-মণিপুরী-

মহাভারত

(আদিপর্ব্বগী অরোইবা তখাই)

শ্রীবেদব্যাসগী শ্লোকাবলী মহাভারতকী পর্ব্ব-অধ্যায়
শ্লোক মথং মনাও কায়দনা, মরক মরক্তা
মৈতৈরোন্দা টীকা পীদুনা
হন্দোকুচবা।

কালাচান্দ শাস্ত্রী

সেবক মণ্ডলী (কমিটি)
মণিপুরী মহাভারত সভা।

ছাপা মপ্ফম :— চূড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কস,
ইম্ফাল।
॥ ইং কুমজা ১৯৫৬ ॥
(অহানবা চেকোং)

মমল লুপা ৬০

-মণিপুরী-

মহাভারত

(আদিপর্ব্বগী অরোইবা তখাই)

শ্রীবেদব্যাসগী শ্লোকাবলী মহাভারতকী পর্ব্ব-অধ্যায়
শ্লোক মথং মনাও কায়দনা, মরক মরক্তা
মৈতৈরোন্দা টীকা পীদুনা
হন্দোকৃচবা।

কালাচান্দ শাস্ত্রী

সেবক মণ্ডলী (কমিটি)
মণিপুরী মহাভারত সভা।

ছাপা নস্ফম :— চূড়াচান্দ প্রিন্টিং বার্কস,
ইম্ফাল।
॥ ইং কুমজা ১৯৫৬ ॥
(অহানবা চেকোং)

মমল লুপা ৬০৲

ওঁ

থরান থাগী নিঙ্মাং নিনি পানবা ইরায় নুমিৎঅ,
ইংশোক লিশিং অমা চামাপল য়াংখৈ তরুককী,
তারিখ তরেৎ সে.প্টম্বর থাগী অয়ুক অঙনবা,
অফবা খেন্দোং অসিদা, ভারতকী আদি-পর্ব্বগী,
অনিশুবসি অরোয়বা খণ্ড অসি ফোংদোকচৈ ॥ ১ ॥

সেবক মণ্ডলী (কমিটি)
মণিপূরী মহাভারত সভা।

হীরম লামায় তাকপা।

——:(•).——

॥ শ্রীহরিবু—খুরমজবা ॥

(বসন্ততিলক ছন্দ)

মাঙোন্দ শৈবন মহাশিব হায়ন কৌনৈ;
বেদান্ত খংবন মহাক্‌পুসু ব্রহ্ম কৌনৈ।
নীংনৈ মহাকপু'দুগ বৌদ্ধন বুদ্ধ হায়নৈ,
কর্ত্তানি হায়নবুসু তর্কন মাবু কৌনৈ ॥১॥

ঋাখল মথমসু পুনিংবদ মাবু পুইদো,
হায়নীংব শকতুগ মমিংবুসু চাব থোক্নৈ।
লৈফম—মফমসু করিগুম্বদ খংব ঙমদে,
শ্রীশ্রীমুকুন্দ হরিগীসু মশক্তি মিংনি ॥২॥

চংজৈ খুয়াদ হরিহে। হরি নংন ত্রগী
হকচাং—থবাইনি'দুগ লল্‌সু নহাক্তি ত্রগী।
বাহৈ অরানববু মকোক্ত মমৈদা কায়বা
মাংহনবিরম্সু হরি নংতন দোষ পুম্বা ॥৩॥

—:(•):—

(মঙ্গল নিজবা)

শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রমতুলং শিরসা প্রণম্য,
সুজ্ঞানসাধ্যমখিলং মনসা বিধায়,
নানাপুরাণমতিভারতভারতৰ্ষে,
ব্যক্তম্ময়া মণিপুরস্থহি ভাষয়ানঃ ॥১॥

চাংদম্মীংঙায় লৈতবা, কৃষ্ণচন্দ্র কৌবদো,
লৈতব মচুন মুহন্‌বা, জ্ঞানতন মাবু ঙৌহন্বা,
মহাকৃপু খুরম্‌জদুনা, বেদপুরাণ পূম্বনা
অমত ওইব শকলোন্বু পুব ভারতকী ভারতপু
মাগী কোলোয় কৌজব ঐনা ঈরোন্দ হন্দোকচৈ ॥২॥

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে অণীমাণ্ডব্যোপাখ্যানঃ।

(মীরোল নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা অণীমাণ্ডব্যগী ৱারী)

(চামা অমা শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

জনমেজয় উবাচ।

কিং কৃতং কর্ম্ম ধর্ম্মেণ যেন শাপমবাপ্তবান। কস্য শাপাচ্চ ব্রহ্মর্ষেঃ শূদ্রযোনাবজায়ত ॥১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

বভূব ব্রাহ্মণঃ কশ্চিন্মাণ্ডব্য ইতি বিশ্রুতঃ। ধৃতিমান্ সর্ব্বধর্ম্মজ্ঞঃ সত্যে তপসি চ স্থিতঃ ॥২॥

স আশ্রমপদদ্বারি বৃক্ষমূলে মহাতপাঃ। ঊর্দ্ধবাহুর্ম্মহাযোগী তস্থৌ মৌনব্রতে স্থিতঃ ॥৩॥

তস্য কালেন মহতা তস্মিংস্তপসি বর্ত্ততঃ। তমাশ্রমমনুপ্রাপ্তা দস্যবো লোপ্ত্রহারিণঃ। ৪ ॥

অনুসার্য্যমাণা বহুভী রক্ষিভির্ভরতর্ষভ। তে তস্যাবসথে লোপ্ত্রং নিদধুঃ কুরুসত্তম। ॥৫॥

নিধায় চ ভয়াল্লীনাস্তত্রৈবান্বাগতে বলে। তেষু লীনেষ্বথো শীঘ্রং ততস্তদ্রক্ষিণাং বলম্ ॥ ৬ ॥

আজগাম ততোঽপশ্যংস্তমৃষিং তস্করানুগাঃ। তমপৃচ্ছংস্ততো রাজন্ তথা বৃত্তং তপোধনম্ ॥৭॥

কতমেন পথা যাতা দস্যবো দ্বিজসত্তম। তেন গচ্ছামহে ব্রহ্মন্ পথা শীঘ্রতরং বয়ম্ ॥৮॥

তথা তু রক্ষিণাং তেষাং ব্রুবতাং স তপোধনঃ। ন কিঞ্চিদ্বচনং রাজন্নবদৎ সাধ্বসাধু বা ।৯॥

ততস্তে রাজপুরুষা বিচিন্বানাস্তমাশ্রমম্। দদৃশুস্তত্র সংলীনাংস্তাংশ্চোরান্ দ্রব্যমেব চ । ১০ ॥

জনমেজয়না হায়খি— ধর্ম্মরাজনা করম্বা ফত্তবা থবক তৌখিবনা অদুক তমথীববা শাপ ফংখিবনো ? অদুগা করম্বা ব্রহ্মর্ষিগী শাপ ফংদুনা শূদ্রগী যোনিদা পোকখিবনো ? ।১।। বৈশম্পায়ননা হায়খি— পুকচেল তপ্পবা, ধর্ম্ম পুম্নমক খংলবা, অচুম্বা ঙাংবা অমদি তপস্যা কল্লবা মাণ্ডব্য হায়না কৌরবা ব্রাহ্মণ অমা লৈরম্মী ।২।। মহাযোগী অমদি মহাতপস্বী ওইববা অদোম ওইবা মাণ্ডব্য কৌবা মুনিনা মাগী আশ্রমগী থোঙ্গনদা উগী উখাদা লেপদুনা মপাম্বোন অনি থাংদুনা মৌনব্রত তৌদুনা লৈরম্মি ।৩।। মানা মতম কুইনা অদুম্বা তপস্যাদা পুকনিং চংদুনা লৈরম্মী , মতম অদুদা হুরানবা কযামকম্না হুরানপোৎ পুবকদুনা মহাককী আশ্রম অদুদা থুংলৈ ।৪।। মহারাজ ! নিংথৌগী মীফাবা কযাম্না মখোযগী মতুংদা তাম্নরমই , মতম অদুদা হুরানবশিং অদুনা মাণ্ডব্য মুনিগী আশ্রমদা হুরান পোৎশিং অদু থৈররে। ৫। অফাবা মীশিং অদুনা থুংডগ্রিদ্রবগী মমাংদা হুরানবশিং অদুনা হুরানপোৎশিং অদু আশ্রমগী ময়াদা থনমদুন আশ্রম অদুগী মনুংদা লোংখে ; মখোয়না লোংখ্রবা তুংদা অফাবা মীশিং (দারোগা) অদু হেক থুংলৈ। মহাত্মা লেপদুনা তপস্যা তৌরিবৈ অদুদা মখোযনা হংখি ।।৬। ব্রাহ্মণ অথোইবা ! হুরানবশিং অদু কদোমদা চেনখি ? মখোয়না চেনখিবা লম্বি অদুদা ঐখোই চংখ্রগে, থুনা অমুক্তা-ত্তাকউ ।৭।। মখোয়না অদুম হয়বা মুনি মাণ্ডব্যনা য়োয়নি [illegible] হায়রবা [illegible] থুমখিরে ।।৮।। [illegible] [illegible] মীশিং অদুনা আশ্রমগী মথক [illegible] [illegible]

ততঃ শঙ্কা সমভবদ্রক্ষিণাং তং মুনিং প্রতি। সংযম্যৈনং ততো রাজ্ঞে দস্যূংশ্চৈব ন্যবেদয়ন্ ॥ ১১ ॥
তং রাজা সহ তৈশ্চৌরৈরন্বশাদ্বধ্যতামিতি। স রক্ষিভিস্তৈরজ্ঞাতঃ শূলে প্রোতো মহাতপাঃ ॥ ১২॥
ততস্তে শূলমারোপ্য তং মুনিং রক্ষিণস্তদা। প্রতিজগ্মুর্মহীপালং ধনান্যাদায় তান্যথ ॥ ১৩ ॥
শূলস্থঃ স তু ধর্ম্মাত্মা কালেন মহতা ততঃ। নিরাহারোঽপি বিপ্রর্ষির্মরণং নাভ্যপদ্যত ॥ ৪॥
ধারয়ামাস চ প্রাণানৃষীংশ্চ সমুপানয়ৎ। শূলাগ্রে তপ্যমানেন তপস্তেন মহাত্মনা ॥
সন্তাপং পরমং জগ্মুর্মুনয়স্তপসান্বিতাঃ ॥১৫॥
তে রাত্রৌ শকুনা ভূত্বা সন্নিপত্য তু ভারত! দর্শয়ন্তো যথাশক্তি তমপৃচ্ছন্ দ্বিজোত্তমম ॥১৬॥
শ্রোতুমিচ্ছামহে ব্রহ্মন্! কিং পাপং কৃতবানসি। যেনেহ সমনুপ্রাপ্তং শূলে দুঃখভয়ং মহৎ ॥১৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সম্ভবপর্ব্বণি অণীমাণ্ডব্যোপাখ্যানে একাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(*.——

হুরান পোৎশিং অদু উকবে ॥১০॥ অদুগী মতুংদা মাণ্ডব্য মুনি তহবু অফাবা মীশিং অদুনা হুরানবনি হায়না চিংনরে, অদুদগী মথোযনা হুরানবশিং অদুগা লোযননা মুনি মাণ্ডব্যবু পুন্দুনা পুখিনা নিথৌগী মফমদা তাকউরে ॥১১॥ নিংথৌনা অসুম বিচার তৌবদা হুরানবশিং অদুগা লোয়ননা মাণ্ডব্যমুনিবুসু হাৎলু হায়না য়াথং পিখ্রে। মরম অদুনা নিংথৌগী অযাবা মীশিং অদুনা মাণ্ডব্য মুনিবু তপস্বীনি হায়বা খংদত্রুনা তাদোন মথক্তা থাঙ্গৎখি * ॥১২॥ অদুগী মতুংদা অফাবা মীশিং অদুনা মাণ্ডব্য মুনিবু "তা" মথক্তা ফমহল্লগা হুরান পোৎশিং অদু পুত্থনা চংখি ॥১৩॥ ধর্ম্ম চল্লবা মাণ্ডব্যনা তুম্লবা তাদোনথক্তা ফমদুনা চাদ থক্তনা মতম কুইনা তপস্যাগী শক্তিনা তা মতেং অদুনা মশদা ফাউহন্দুনা মথম্বাইদা কন্দুনা লৈখি। ॥১৪॥ মথক্তইদা হিংদুনা লৈরি অমসুং মুনি অতৈ অতৈ নিংশিংদুনা মথোয অদুবু মফম অদুদা লাকহনখি, মথোযনা মাণ্ডব্যনা তা মথক্তা ফমদুনা তপস্যা তৌহনা লৈরম্বহু উবদা থোইদোক্না থাখি। ॥১৫॥ মুনিশিং অদুনা অহিংদা তপস্যাগী শক্তিনা উচেক্কী মশক লৌদুনা পাইরক্লগা আপী মাগী মশক অমুক লৌনা তৌরিবাথৌদোক অদুগী মরম পুম্নমক হংখি। ।১৬॥ ব্রাহ্মণ নংনা করিপাপ তৌরবনা ভুম্লবা থোরবা তাদোন থক অসিদা অস্তুক যাম্না য়ানা শিবয়ানা লৈরিবনো ? ॥১৭॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতত্তা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা
সম্ভবদা অণী মাণ্ডব্যোপাখ্যান কৌবা চামগা অমা শুবা অধ্যায় লোয়রে।

——: *: ——

* টীকা :— অমা ঐদা রাজ দণ্ড পিবসি য়াম্না শাস্তিনা মথল মথল ওইনা পিনরমই, মথোং মখুং [illegible] শিংদা থাদবা, শারবা থাগুন থম্বা থাম্বা থাদবা, শাগোল - শামু মথোংদা পুল্লগা চিংহনবা, চীংথক্তগী [illegible] শাৎনা থাদবা, য়াংবা শাংবা তা ভুগলগা ভুম্বা তাংগী মতোং অদুনা [illegible] [illegible] কায়দুনা হয়রই লেপ্তুরামদা থাইনা বিৎথহনবা অসিনচিংবা শাস্তিনা পিবা রাজ বিধান কয়া উবই ॥

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে মাণ্ডব্যোপাখ্যানঃ।

(মীরোল নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা মাণ্ডব্য মুনিগী ৱারী)

(চামা অনি শুবা অধ্যায়)

—— (*) ——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ স মুনিশার্দ্দূলস্তানুবাচ তপোধনান। দোষতঃ কং গমিষ্যামি নহি মেঽন্যোঽপরাধ্যতি ॥১॥

তং দৃষ্ট্বা রক্ষিণস্তত্র তথা বহুতিথেঽহনি। ন্যবেদয়ংস্তথা রাজ্ঞে যথাবৃত্তং নরাধিপঃ ॥২॥

রাজা চ তমৃষিং শ্রুত্বা নিষ্ক্রম্য সহ বন্ধুভিঃ। প্রসাদয়ামাস তদা শূলস্থমৃষিসত্তমম্ ॥৩॥

রাজোবাচ।

যন্ময়াপকৃতং মোহাদজ্ঞানাদৃষিসত্তম। প্রসাদয়ে ত্বাং তত্রাহং ন মে ত্বং ক্রোদ্ধুমর্হসি ॥৪॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তস্ততো রাজ্ঞা প্রসাদমকরোন্মুনিঃ। কৃতপ্রসাদং রাজা তং ততঃ সমবতারয়ৎ ॥৫॥

অবতার্য্য চ শূলাগ্রাত্তচ্ছূলং নিশ্চকর্ষ হ। অকর্ষংশ্চ নিষ্ক্রষ্টুং শূলং মূলে স চিচ্ছিদে ॥৬॥

স তথান্তর্গতেনৈব শূলেন ব্যচরন্মুনিঃ। তেনাতিতপসা লোকান্ বিজিগ্যে দুর্লভান পরৈঃ ॥৭॥

অণীমাণ্ডব্য ইতি চ ততো লোকেষু গীয়তে। স গত্বা সদনং বিপ্রো ধর্ম্মস্য পরমার্থবিৎ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি:— অদুগী তুংদা মুনি অথোইবা মাংব্যনা তপস্বীশিংদা হায়খি— কনাগী মথক্তবু দোষ পিকগবনো, সংসারদা কনাসু ঐগী ইকমদা লানখিদে ॥১॥ মহারাজ! নিংথৌগী অমাংবা মীশিং অহনা মতম কুইনা মাণ্ডব্য মুনিনা তাগী মথক্তা ফমদুনা লৈবদু উবদা, লৈরম্বা মওং অদুমক নিংথৌগী মফমদা চংদুনা তম্মুরে। ॥২॥ নিংথৌসু মাণ্ডব্যগী অবস্থা অদু তাবদা মরূপ মপাং খিবিকা লোযননা কোনুংদগী থোরকদুনা মাণ্ডব্য মুনিবু থেমজিন্দুনা পেলহন্নবা কন্না হোৎনখি ॥৩॥ নিংথৌনা হায়খি— হে মুনি অথোইবা! ননাইনা খংদ্রবদনা ইরান লাম্না মুনিগী মফমদা তমখিরবা ব্যবহার অসি তৌরকরে ঐবু ঙাকপিযু, শাওবিগনু ॥৪॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— নিংথৌনা অসুম্না হায়জরবদা থুদক্তা মাণ্ডব্য মুনিদো পেনথরে। অদুগী মতুংদা নিংথৌদা মুনি অদুবু তা মথক্তগী লৌথহনখি ॥৫॥ তাদগী লৌথরগা, তাদগী হকচাং মনুংদা চংখিবা শরুক অদু লৌথোক্লবা হোৎনবদা লৌথোকপ যাদনা হকচাংগী মপান্দা হেন্দোক্লিবা তাগী শরুক অদু ককথৎখি ॥৬॥ মাণ্ডব্য মুনিনা মাগী হকচাং মনুংদা চংখিবা তাদু পূদুনা তপস্যা তৌগে হায়দুনা অতোপ অতোপ্পা লৈমদা অমদি তীর্থদা কোয়চৎ চৎদুনা লৈখি অমসুং তপস্যাগী শক্তিনা কোন্থংদা অতোপ্পা অমনা ফংদ্রবা স্বর্গবু ফংখি ॥৭॥ মরম অসিমক্তনা অমসুং মাণ্ডব্যবু অণীমাণ্ডব্য হায়না খংনখি। অদুগী মতুংদা ওহ্ন খংলবা মাণ্ডব্য মুনিনা ধর্ম্মরাজগী মযুম তাবা [illegible] মাগী আসনদা ফমদুনা লৈরম্বদু উবদা অশাউবা মাইথোং উৎতুনা হায়খি— ধর্ম্মরাজ! ঐনা করম্বা মতমদা

[illegible] ধর্ম্মং দৃষ্ট্বা [illegible]। কিং, [illegible] কর্ম্ম ময়া কৃতমজানতা ॥ ৯ ॥
[illegible] ফলনির্বৃত্তির্দৃষ্টাসাদিতা ময়া। শীঘ্রমাচক্ষ্ব মে তত্ত্বং পশ্য মে তপসো বলম্। ১০ ॥

ধর্ম্ম উবাচ।

পতঙ্গিকানাং পুচ্ছেষু ত্বয়েষীকা প্রবেশিতা। কর্ম্মণস্তস্য তে প্রাপ্তং ফলমেতত্তপোধন ॥ ১১॥
স্বল্পমেব যথা দত্তং দানং বহুগুণং ভবেৎ। অধর্ম্ম এবং বিপ্রর্ষে বহুদুঃখফলপ্রদঃ। ১২।

অণীমাণ্ডব্য উবাচ।

কস্মিন্ কালে ময়া তত্তু কৃতং ব্রূহি যথাতথম্। তেনোক্তো ধর্ম্মরাজেন বালভাবে ত্বয়া কৃতম্ ॥১৩॥

অণীমাণ্ডব্য উবাচ।

বালো হি দ্বাদশাদ্বর্ষাজ্জন্মতো যৎ করিষ্যতি। ন ভবিষ্যত্যধর্ম্মোঽত্র ন প্রজ্ঞাস্যন্তি বৈ দিশঃ ॥১৪॥
অল্পেঽপরাধেঽপি মহান্ মম দণ্ডস্ত্বয়া কৃতঃ। গরীয়ান্ ব্রাহ্মণবধঃ সর্ব্বভূতবধাদপি ॥১৫॥
শূদ্রযোনাবতো ধর্ম্ম মানুষঃ সম্ভবিষ্যসি। মর্য্যাদাং স্থাপয়াম্যদ্য লোকে ধর্ম্মফলোদয়াং ॥১৬॥
আচতুর্দ্দশকাদ্বর্ষান্ন ভবিষ্যতি পাতকম্। পরতঃ কুর্ব্বতামেবং দোষ এব ভবিষ্যতি ॥১৭॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এতেন ত্বপরাধেন শাপাত্তস্য মহাত্মনঃ। ধর্ম্মো বিদুররূপেণ শূদ্রযোনাবজায়ত ॥১৮॥

থংলৌদনা কত্তবা থবক অমত্তবু তৌখিবা নৈদগে? করম্না থবকশী মইহনা অসুক যাম্না অৱাবা ফংখিবনো? মসিগী পাউথুম পুনা পিবিয়ু, অতগী তুংদা ঐগী তপস্যাগী শক্তিসু যেংবিয়ু ।৮—১০॥ ধর্ম্মরাজনা হায়খি— নংনা অঙাং ওইরিঙৈদা চবাংগী মনৈদা পোববা শিংনাং মতোম্না থিন্দুনা শান্নখি, মাগী মইহেনা তৌজিক যংলরিবনিনি ॥১১॥ ব্রহ্মর্ষি! দান খজিক্কা তৌবদা মইহ যামনা য বগুম পাপকর্ম্ম খজিক্কা তৌবদা মাদুগী মইহে অৱাবদি যামনা যংই ॥১২। অণীমাণ্ডব্যনা হায়খি—কবম্না মতমদা ঐনা পাপ অমু তৌখিবনো? মখু থাজনশংনা তাকপিয়ু। ধর্ম্মরাজনা হায়খি— অঙান তপ্রিঙৈদা অঙাং ওইরিঙৈদা তৌখিবা পাপ কর্ম্মনি ॥১৩॥ অণীমাণ্ডব্যনা হায়খি— পোকপদগী চহি তরানিথোই শুবা ফাওবগী মনুংদা অঙাংনা তৌবা যাবে পাপকর্ম্মতু পাপ পুদ, অতগা দেবতাশিংনসু অদুবু পাপনি হায়না লৌরে ॥১৪॥ ধর্ম্মরাজ! ধর্ম্মরাজনা ঐনা তৌখিবা অপরাধ খজিক্কশুগীসু অৱাবা মইহনা যাম্না পিবিরে, করিনা হায়রবু অতোপ্পা থৱাইপানবা জমা হাৎপবুদি ব্রহ্মহত্যা অমনা যামনা চেল্লি। ১৫॥ মরম অদুনা ধর্ম্মরাজ! নহ বসু ঐগী শাপতগী শূদ্রগী যোনিদা মর্ত্তলোকতা মী ওইনা পোকলুরগদৌরনি। অদুগা ঙসিগী শুমিৎ অসিদা ঐনা ধর্ম্ম অমদি অধর্ম্মগী পোরকমগী মরমদা মী ওইবগী পুনসিদা চহি মতাং [illegible]গে ॥১৬। মীওইবনা চহি তরামরি শুবগী অবস্থা ফাউবগী মনুংদা তৌখিবা যত্তবা থবক অমগী [illegible] হৌইদোক্লা নৈরোই। অসিদগী হেক হেন্দোরকপদা তৌখিবা কত্তব্য কর্ম্মমথৈগী পাপতি [illegible] ংগনি ॥১৭॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— অপরাধ অদুমক্তনা মহাত্মা মাণ্ডব্যগী শাপতগী ধর্ম্মরাজনা [illegible] লাক্তনা বিদুর ওইনা শূদ্রগী যোনিদা পোকখি ॥১৮।

ধর্ম্মে চার্থে চ কুশলো লোভক্রোধবিবর্জ্জিতঃ ।　　দীর্ঘদর্শী শমপরঃ কুরূণাঞ্চ হিতে রতঃ ॥৩৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

সম্ভব মাণ্ডব্যোপাখ্যানং নাম অধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(০):——

বিদুর হায়বসি ধর্ম্মনীতি অমদি অর্থনীতি অনিহক্কা য়াম্না হৈরম্মী, খংদম্মী ; অপাম্বা, অশাওবা লৈরম্মদে ; পাইরক শিংবা নিপানি, শান্তি পাম্বা অমদি কুরুবংশগী কান্নবগী থবক নিপা অমা ওইখি ।৩৯॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা সম্ভবতা মাণ্ডব্যোপাখ্যান কৌবা চামগা অনিশুবা অধ্যায় লোইরে ।

——:*:——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে পাণ্ডুরাজ্যাভিষেকঃ।

(মীরোল—নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা পাণ্ডুবু নিংথৌ হাম্লগী ৱারী)

(চামা অহুমশুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

তেষু ত্রিষু কুমারেষু জাতেষু কুরুজাঙ্গলম্ ।　　কুরবোঽথ কুরুক্ষেত্রং ত্রয়মেতদবর্দ্ধত ॥১॥

ঊর্দ্ধশস্যাভবদ্ভূমিঃ শস্যানি রসবন্তি চ ।　　যথর্ত্তুবর্ষী পর্জ্জন্যো বহুপুষ্পফলা দ্রুমাঃ ॥২॥

বাহনানি প্রহৃষ্টানি মুদিতা মৃগপক্ষিণঃ ।　　গন্ধবন্তি চ মাল্যানি রসবন্তি ফলানি চ ॥৩॥

বণিগ্‌ভিশ্চান্বকীর্ণানি নগরাণ্যথ শিল্পিভিঃ ।　　শূরাশ্চ কৃতবিদ্যাশ্চ সন্তশ্চ সুখিনোঽভবন্ ॥৪॥

নাভবন দস্যবঃ কশ্চিন্নাধর্ম্মরুচয়ো জনাঃ ।　　প্রদেশেষ্বপি রাষ্ট্রাণাং কৃতং যুগমবর্ত্তত ॥৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— রাজকুমার অহুম অসিনা পোক্লবা তুংদা কুরু জঙ্গল, কুরু অমদি কুরুক্ষেত্র দেশ অহুম অসি য়াম্না চাওখৎপা ফংখি ॥১॥ লৈবাক্তা মহৈ মরোং য়াম্না পাল্লি অমদি থোকই পোকইবা মহৈ মরোং অমত্তু যামনা হাওই, থুমই, মতম চানা নোং তাই, অতুগা হৈপাল লৈপাল পুম্নমক মহৈ মরোং য়াম্না চুম্মি ॥২॥ শগোল শামুনচিংবা শাদোংয়াবা শা পুম্নমক, অমুক কাম হায়রবদি— বনগী শা উচেক ফাওবা লোইনা মক শিংকি অমদি হরাউনা ডাক্তা লৈ, লৈ পুম্নমক মনম মুংখি, উহৈ পুম্নমক হাউই ॥৩॥ নগর পুম্নমক মখুৎ-মশা হৈবা অমদি লনোনবা মীওনা থম্না লৈরম্মি অতুগা মী পুম্নমক অসি অরাম্বা কল্লি, মহৈ হৈ, লমচৎ ফজৈ অমদি মুখান-কৈবানদা ইকুংদা মুহাইতুনা লৈ ॥৪॥ লৈবাক্কী কারিগুম্বা মকমদা হুরান চিম্বিরা লৈরম্মে, অতুগা মী পুম্নমককী পুক্নিং অসি পাপকী

বর্ত্তয়িত্বা মহানীপাঃ সত্যব্রতপরায়ণাঃ । অত্যন্তপ্রীতিসংযুক্তা বাবর্দ্ধন্ত প্রজাস্তদা ॥৬॥
মানক্রোধবিহীনাশ্চ নরা লোভবিবর্জিতাঃ । অন্যোন্যমভ্যনন্দন্ত ধর্ম্মোত্তরমবর্ত্তত ॥৭॥
তন্মহোদধিবৎ পূর্ণং নগরং বৈ ব্যরোচত । দ্বার-তোরণ-নির্যূহৈর্যুক্তমভ্রচয়োপমৈঃ ।
প্রাসাদশতসংবাধং মহেন্দ্রপুরসন্নিভম্ ॥৮॥
নদীষু বনখণ্ডেষু বাপী পল্বল-সানুষু । কাননেষু চ রম্যেষু বিজহ্রুর্মুদিতা জনাঃ ॥৯॥
উত্তরৈঃ কুরুভিঃ সার্দ্ধং দক্ষিণা কুরবস্তথা ॥ বিস্পর্দ্ধমানা ব্যচরংস্তথা সিদ্ধর্ষিচারণৈঃ ॥১০॥
নাভবৎ কৃপণঃ কশ্চিন্নাভবন্ বিধবাঃ স্ত্রিয়ঃ । তস্মিন্ জনপদে রম্যে কুরুভির্বহুলীকৃতে ॥১১॥
কূপারামসভাবাপী ব্রাহ্মণাবসথাস্তথা । বভূবুঃ সর্ব্বর্দ্ধিযুক্তাস্তস্মিন্ রাষ্ট্রে সদোৎসবাঃ ॥১২॥
ভীষ্মেণ ধর্ম্মতো রাজন্ ! সর্ব্বতঃ পরিরক্ষিতে । বভূব রমণীয়শ্চ চৈত্যযূপশতাঙ্কিতঃ ॥১৩॥

মাইকৈদা ইচং চংলমদে। মরম অ'সমক্তনা সত্যযুগ হায়বদু হৌজিক ফাউবা লৈরিত্রা অশ্বম হায়না থনলরমই ॥৫॥ প্রজাশিংনা যজ্ঞ অমদি অতোপ্পা ধর্ম্ম কর্ম্মদা পুকনিং চংহনা ভাক্ত লৈরম্মী, অচুম্বা ভাংবদা অমদি ব্রত উপাসন নচিংবা তৌবদা পুকনিং চংলম্মী, অরুপা অমনা অমগী নুংঙাইবা চাউখৎপা উরগা মপাম্বকী চাউখৎপগুম থন্দুনা পুকনিংগী চাউখৎপা ফংলম্মী ॥৬॥ মী অয়াম্বগী মপূকনিংদা নাপল, অশাওবা অমদি কা হেম্বা পামশিনবা থক লৈরমদে, অমগা অমগা ইকাইখুমনৈ অমদি তরাম তরাম তৌনৈ, অহগা লমচত্না অমদি থবকতো ধর্ম্মতনা অখোইবা ওইনা শরুক য়াই ॥৭॥ মশিং লাকচুমম্রবা কুয়া দালান, চেকপননা নগরশিং অহ পুমথল থিলি, অঙৌবা নোংগী মতৌং ম য়াং চাওরবা থোংজাউ, মনখোং অমদি দালান মথক্তগী থিন্দে রুকপা ফজ যক্তরবা দালানশংতপশিং অহনা অমুক থোইনা নি থিজৈ; ০শিং লাকচুমম্রবা প্রজামা থম্লবা অমরাবতীগুম নিংথিজরবা হস্তিনা রাজধনী অদো মক সমুদ্রগী মতৌংগুম নিংথিজরমই ।৮। নগরদা লৈবা মীশিংনা তুরেল, ফজ যক্তবা বন অমদি উপবন, অচৌ অ'চৌবা পুখ্রী অমদি হৈকোল হৈকোলগী পুখ্রী মচা মচাশিংগী ময়দা অমদি অশংবা লৈতেম মাম্নবা লম্বাংদা হৌৎ হন্দা চৎলি, অমদি মথন্নাই নুংঙাইনা মথল মথা অয়াম্বা মশাম্ন শাম্নৈ ।৯॥ মতম অদুদা মথা কুরুদেশ অমদি অন্যং কুরুদেশ অসুম হায়না মাবল নাবলদা হৈরিবা কুরুদেশবাসীশিংনা অদুদা নত্তুনা সিদ্ধ, ঋষি, চারণ থিবিক ফাউবা নাকল নাকলদা লৈচনা ফজ্জবা চাউখৎপা শীংনরি অমদি তাম্নরি ।১০॥ মতৌ অসুমনা কুরুবংশগী নিংথৌরোল শিনিকনা চাউখৎহল্লবা নিংথিজরবা লৈবাক অসিদ — অশীকপা, অনংবা কনাগ য়াওরমদে, অমদি মত্তচাদনা কৃপণ অমতা লুপ্ৰাবী ছক্ৰমদে ।১১॥ লৈবাক অসিদা কুয়া কুঞ্জ বন মচা মচা, মরক মরক্তা মীয়াম তিম্লনবা ফজ ফজরবা অচৌ অচৌবা সভামণ্ডপ থুৎলনা পেয়বা পুখ্রী অমদি ব্রাহ্মণশিংগী ময়ুমশিং অমদি দেবমন্দির থিবিকনা থম্না লৈরমই, হিরম পুম্নমক্তনা চাউখৎপগী থুমনা থম্না লৈরবা লৈবাকনি, অতুগা মতম মফম অয়াম্বদা কুইনৈ হিজ্রোংনচিংবা — [illegible] তৌফনা লৈবা লৈবাকনি ।১২॥ মহারাজ ! ভীষ্মনা অসিগুম্বা লৈবাক অসিবু ধর্ম্মনা পাইনা [illegible] মিংথৌ ময়ুংসিন্দুনা ঙাকথিলো, অতোপ অতোপপা দেশ অয়াবু জয় তৌরকনা লৈবাক অসিগী [illegible] শাকথোক্তরমই; অমদি হায়নগী হেন্না অমুক যক্তরমই; [illegible] মন্দির [illegible] চায়না

স দেশঃ পররাষ্ট্রাণি বিমৃজ্যাভিপ্রবর্দ্ধিতঃ । ভীষ্মেণ বিহিতং রাষ্ট্রে ধর্মচক্রমবর্ত্তত ॥১৪॥
ক্রিয়মাণেষু কৃত্যেষু কুমারাণাং মহাত্মনাম্ । পৌরজানপদাঃ সর্বে বভূবুঃ সমুৎসুকাঃ ॥১৫॥
গৃহেষু কুরুমুখ্যানাং পৌরাণাঞ্চ নরাধিপ । দীয়তাং ভুজ্যতাঞ্চেতি বাচোঽশ্রূয়ন্ত সর্ব্বশঃ ॥১৬॥
ধৃতরাষ্ট্রশ্চ পাণ্ডুশ্চ বিদুরশ্চ মহামতিঃ । জন্মপ্রভৃতি ভীষ্মেণ পুত্রবৎ প্রতিপালিতাঃ ॥১৭॥
সংস্কারৈঃ সংস্কৃতাস্তে তু ব্রতাধ্যয়নসংযুতাঃ । শ্রমব্যায়ামকুশলাঃ সমপদ্যন্ত যৌবনম্ ॥১৮॥
ধনুর্বেদেঽশ্বপৃষ্ঠে চ গদাযুদ্ধেঽসিচর্ম্মণি । তথৈব গজশিক্ষায়াং নীতিশাস্ত্রে চ পারগাঃ ॥১৯॥
ইতিহাসপুরাণেষু নানাশিক্ষাসু বোধিতাঃ । বেদবেদাঙ্গতত্ত্বজ্ঞাঃ সর্বত্র কৃতনিশ্চয়াঃ ॥২০॥
পাণ্ডুর্ধনুষি বিক্রান্তো নরেভ্যোঽভ্যধিকোঽভবৎ । অন্যেভ্যো বলবানাসীদ্ধৃতরাষ্ট্রো মহামতিঃ ॥২১॥
ত্রিষু লোকেষু ন ত্বাসীৎ কশ্চিদ্বিদুরসম্মিতঃ । ধর্মনিত্যস্তথা রাজন্ ! ধর্ম্মে চ পরমং গতঃ ॥২২॥
প্রনষ্টং শান্তনোর্বংশং সমীক্ষ্য পুনরুদ্ধৃতম্ । ততো নির্বচনং লোকে সর্বরাষ্ট্রেষ্ববর্ত্তত ॥২৩॥
বীরসূনাং কাশিসুতে দেশানাং কুরুজাঙ্গলম্ । সর্ব্বধর্ম্মবিদাং ভীষ্মঃ পুরাণাং গজসাহ্বয়ম্ ॥২৪॥

থুরক হাংদনা লৈতেবা লৈবাক অমা ওইখি, ভীষ্মনা হৌদোরকপা ধর্ম্ম বিধি নিয়মগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুদা ধর্ম্ম মগু ওইবা অনৌ অনৌবা শবক্তা লিক্লৎলমই ।১৩—১৪॥ ধৃতরাষ্ট্রনচিংবা রাজকুমারশিং অহুগী সংস্কার মথং মথং তৌরব্রবদা পুরবাসী অমদি দেশবাসী পুমনমক্না থোইদোক্না মথব্রাই সুঙ্কায়খি ॥১৫॥

মহারজ ! মতম অসিদা অথোই ভথোইবা কুরুবংশ অমদি পুরবাসীশিংগী যমমদা "পীয়ু" "চাথো" "লৌথো" হায়বা ৱাহৈ অসিত্না ইনিল হেক নিল্লি ।১৬॥ ধৃতরাষ্ট্র পাণ্ডু অমদি বিদুর রাজকুমার অহাং অহুম অসি পোকপদগী হৌনা ভীষ্মনা মচাগুম য়োকখি ।১৭॥ ধৃতরাষ্ট্রনচিংবা রাজকুমার অহুম অসিগী উপনয়নচিংবা সংস্কার পুম্নমক তৌরবদা মথোই অসি ব্রহ্মচারি ওইদুনা বেদ তমখি ; লমজেল তায়বা অমদি শাক্ক কানবদা লোয়না মথুং মশা শিংনরকলে, মতৌ অসুম তৌনা মথোং কারকপা অবস্থাদা চংখি ॥১৮॥ মথং শিংনা ধনুর্বেদ, শগোলগী লাল, শামুগী লাল গদাগী লাল, থাং চুংরোয়গী লাল অমদি নীতি শাস্ত্রকাউবদা চংথোক্না হৈরবা নিপা অমম ওইখি ।১৯॥ ইতিহাস পুরাণ অমদি শাস্ত্রগী বিষয়দা মতিক চাবা জ্ঞান ফংখরে অদুগা বেদ বেদাঙ্গ অয়াম্বা তত্ত্বা লোয়রে অসি কাওবা শস্ত্র অমসুং পুরাণগী শাখা অতে অতৈদসু মতিক চাবা জ্ঞান ফংখরে ।২০॥ মতম অদুগী অকনবশিংগী মনুষ্য মীরং তেনগী লান্দা পাণ্ডু হায়বা অসিত্না থৱাইমক্তগী মীথোই মীহেক্না মথৌনা ফবা ইচং থৌবা নিপা অমা ওইরম্মি ; অদুগা মরৌশিং নৈরল ধৃতরাষ্ট্র [illegible] থৱাইকনী হেক্না ফকচাংগী [illegible] নিপা অমা ওইরম্মি ।২১॥ অদুগা মহারাজ ! [illegible] মহৎবা বিদুরগা [illegible] ধর্ম্ম [illegible] অদুধরা পুক্তি চাপ্ন নিপা অমত্তা লৈরম্দে ।২২॥ [illegible] উবদা পৃথিবীগী লৈবাক শিংথো [illegible] ।২৩॥ মতম অদুদা [illegible] মহা [illegible] অমদি [illegible]

ধৃতরাষ্ট্রস্ত্বচক্ষুষ্ট্বাদ্রাজ্যং ন প্রত্যপদ্যত। পারশবত্বাদ্বিদুরো রাজা পাণ্ডুর্বভূব হ ॥২৫॥

কদাচিদথ গাঙ্গেয়ঃ সর্বনীতিমতাং বরঃ। বিদুরং ধর্মতত্ত্বজ্ঞং বাক্যমাহ যথোচিতম্ ॥২৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

সম্ভবে পাণ্ডুরাজ্যাভিষেকো নাম ত্র্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—: * :—

অথোইবী ওইরম্মি, অদুগা দেশশিংগী মনুংদনা কুরু জাঙ্গল, ধর্ম খংবশিংগী মনুংদা ভীষ্ম অদুগা নগরগী মনুংদা হস্তিনাপুরনা মতম অদুগী ইখল্লাংদগী অথোয়বা ওয়রম্মি ধৃতরাষ্ট্রদি পোকপদগী মমিৎ উদবনা অহল ওয়রবসু নিংথৌ ওযখিদে, বিদুরসু শুদ্রনিংজোলদা পোকই হায়দুনা নিংথৌ ওয়বা ফংখিদে, মরম অদুমক্তনা পাণ্ডুনা নিংথৌ ওইখি ।২৫॥ অদুগী মতুংদা রাজনীতি শাস্ত্রবু চংখোম্বা হৈরবা ভীষ্মনা কন্নিশুম্বা মতম অমদা ধর্ম্মগী তত্ত্ববু মুম্বা খংলবা বিদুরনা মতিক চাবা ৱাহৈ খরনা পাউত্তাক পীখী ॥২৬॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবদা পাণ্ডুরাজ্যাভিষেক কৌবা চামা অহুম শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥

—. * :—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে গান্ধারীবিবাহঃ।

(মীয়োল-নিংথৌয়োন পোকপগী মতাংদা গান্ধারী লুহোংবগী ৱারী)

(চামা মরিশুবা অধ্যায়)

—:(0)—

ভীষ্ম উবাচ।

গুণৈঃ সমুদিতং সম্যগিদং নঃ প্রথিতং কুলম্। অত্যন্যান্ পৃথিবীপালান্ পৃথিব্যামধিরাজ্যভাক্ ॥১॥

রক্ষিতং রাজভিঃ পূর্ব্বৈর্ধর্ম্মবিদ্ভির্মহাত্মভিঃ। নোৎসাদমগমচ্চেদং কদাচিদিহ নঃ কুলম্ ॥২॥

ময়া চ সত্যবত্যা চ কৃষ্ণেন চ মহাত্মনা। সমবস্থাপিতং ভূয়ো যুষ্মাসু কুলতন্তুষু ॥৩॥

ভীষ্মনা হায়খি— বিদুর! গুণ পুম্বনক্তা লৈজেংলবা অদোমগী অহম্মক্তা কাউরবা ঐখোয়গী বংশ অসে অতোপ অতোপ্পা নিংথৌ খিবিকপু ময়হনা পাক চাউরবা ভারত কৌবা অদুম অসিগী মপু ওইদুনা হৌজিক ফাওবা লাকলিবনিদে। ।১॥ পুরুচেল চাউরবা ধর্ম্ম খংবা নিংথৌশিং অদুনা শিংশিংবা থোক্তবা মমাংদৈ মতমদগী হৌনা লাকলিরক্তবা হৌজিক ফাউবা ঐখোয়গী বংশ অমি মুংলক্ত ।।২॥ অসিগী মতুংদা পুরুচেল চাউরবা যোধ্যাস, সত্যবতী দেবী

তচ্চৈতদ্বর্দ্ধতে ভূয়ঃ কুলং সাগরবদ্‌যথা । তথা ময়া বিধাতব্যং ত্বয়া চৈব বিশেষতঃ ॥৪॥
শ্রূয়তে যাদবী কন্যা স্বনুরূপা কুলস্য নঃ । সুবলস্যাত্মজা চৈব তথা মদ্রেশ্বরস্য চ ॥৫॥
কুলীনা রূপবত্যশ্চ নাথবত্যশ্চ সর্ব্বশঃ । উচিতাশ্চৈব সম্বন্ধে তেঽস্মাকং ক্ষত্রিয়র্ষভাঃ ॥৬॥
মন্যে বরয়িতব্যাস্তা ইত্যহং ধীমতাং বর ! । সন্তানার্থং কুলস্যাস্য যদ্বা বিদুর ! মন্যসে ॥৭॥

বিদুর উবাচ ।

ভবান্ পিতা ভবান্ মাতা ভবান্ নঃ পরমো গুরুঃ । তস্মাৎ স্বয়ং কুলস্যাস্য বিচার্য্য কুরু যদ্ধিতম্ ॥৮॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

অথ শুশ্রাব বিপ্রেভ্যো গান্ধারীং সুবলাত্মজাম্ । আরাধ্য বরদং দেবং ভগনেত্রহরং হরম্ ॥৯॥
"গান্ধারী কিল পুত্রাণাং শতং লেভে বরং শুভম্" । ইতি শ্রুত্বা চ তত্ত্বেন ভীষ্মঃ কুরুপিতামহঃ ॥১০॥
ততো গান্ধাররাজস্য প্রেষয়ামাস ভারত ! । অচক্ষুরিতি তত্রাসীৎ সুবলস্য বিচারণা ॥ ১১ ॥

অদুগা ঐ, ঐখোয় অহম অসিনা নচিন্না ননাও নখোয় অহম অসিগী নথক্তা বংশ অসিগী তু-কোইনা লৈহৌনবগী অমদি ভাকপেলবগী ভারসি শিন্নবনি । করিনা হায়রবু, নখোয় অহমতনা হৌজিক্তি বংশ অসিগী হিংহৌনবা ময়োল ওইদুনা লৈহৌরেদো ॥৩॥ মমম অদুনা বংশ অসিনা সমুদ্রগী মতৌগুম মথং মথং চাউখৎহৌনবা হোৎনবসি নংগা ঐগা ঐখোয় অনিগী ইথৌ ওইহৌরবনিদো ॥৪॥ ঐনা তাববু— যদু বংশগী নীঙোল অমগা, গন্ধার দেশগী নিংথৌ সুবলগী মচানুপী অমগা অদুগা মদ্রদেশগী নিংথৌগী মচানুপী অমগা রাজকন্যা অহমসি য়াম্না ফজে হায়, অদুগা মখোয় অহম অসিনা ঐখোয়গী বংশশিংগী মৌ ওইবদা য়াম্না মতিক চাগদৌরি ॥৫॥ (মরমদি মখোয় অহম্মক অসি অচৌবা শাগোদা পোকপী অমদি মশক মতৌদগী চংখোল্লবী মক্তনিসে, মখোয় অসি অহল নমল লৈরিবী ভাক্তনি, অদুগা মখোয় অসিগী শাগৈ নাত্তে ক্ষত্রিয়শিং অদুসু ঐখোয়গা ভার শেল ওইনবদা মতিক চাবা মক্তনি ।৬।। অদুনা, বিদুর ! ঐনা খনবদি— রাজকন্যা অহুম অসি ঐখোয়গী বংশ অসি মুংহৌদনবা অমদি চাওখৎহৌনবা লৌশিনহৌবনা ফগত্রা সুম হায়না খল্লি. ঐনা হায়রিবা বিষয় অসিদা ননা করি খনবগে ? ।৭॥ বিদুরনা হায়— ইপাল ইবুংঙোনা ঐখোয়গী ইপা ইমা শক-তুনা লৈরিবী, অদুগা ইপাল ইবুংঙোনা ঐখোয় পুম্নমক্কী গুরু ওয়না লৈরী; ঐখোয়গী বংশ অসিগী চাউখৎনবা অমদি করম তৌরগা মঙ্গল ওয়গদগে হায়বদু খন্দুনা তৌবিয়ু ।৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়রি— অদুগী মতুংদা ভীষ্মনা ব্রাহ্মণশিংগী মফমদা গান্ধারদেশগী নিংথৌ সুবলগী মচানুপী গান্ধারীগী থারী থাথোং মরমচংকী য়া পুম্নমক মুয় তাখি; অদুগা অমুকন্তু হুমিং থা অনিনা নয়ন ওয়রিবা মহাদেবগী বরগী অকয়া লক্ষণ পুম্নমক্তা তিঙ্গিদী গান্ধারীনা মচা নিপা চাকী মমা ওইগনি হায়বসিদু ভীষ্মনা তাখি। য়া পুম্নমক অসি মুয়া তারবা তুংদা গান্ধারগী নিংথৌ সুবলগী মফমদা [illegible] অসিগীদমক রাজদূত থাখে । মসিদা সুবলনা তুক [illegible] মতং হায়রবদু "কুরুরাজ্য মথিং [illegible]" হায়রবসিদা মহায়রে ॥৯-১১॥

কুলং খ্যাতিঞ্চ বৃত্তঞ্চ বুদ্ধ্যা তু প্রসমীক্ষ্য সঃ। দদৌ তাং ধৃতরাষ্ট্রায় গান্ধারীং ধর্ম্মচারিণীম্ ॥১২॥
গান্ধারী ত্বথ শুশ্রাব ধৃতরাষ্ট্রমচক্ষুষম্। আত্মানং দিৎসিতঞ্চাস্মৈ পিত্রা মাত্রা চ ভারত! ॥১৩॥
ততঃ সা পট্টমাদায় কৃত্বা বহুগুণং শুভা। ববন্ধ নেত্রে স্বে রাজন্! পতিব্রতপরায়ণা ॥১৪॥
নাভ্যসূয়াং পতিমহমিত্যেবং কৃতনিশ্চয়া
ততো গান্ধাররাজস্য পুত্রঃ শকুনিরভ্যগাৎ। স্বসারং বয়সা লক্ষ্ম্যা যুক্তামাদায় কৌরবান্ ॥১৫॥
তাং তদা ধৃতরাষ্ট্রায় দদৌ পরমসংকৃতাম্। ভীষ্মস্যানুমতে চৈব বিবাহং সমকারয়ৎ ॥১৬॥
দত্ত্বা স ভগিনীং বীরো যথার্হঞ্চ পরিচ্ছদম্। পুনরায়াৎ স্বনগরং ভীষ্মেণ প্রতিপূজিতঃ ॥১৭॥
গান্ধার্য্যপি বরারোহা শীলাচারবিচেষ্টিতৈঃ। তুষ্টিং কুরূণাং সর্ব্বেষাং জনয়ামাস ভারত! ॥১৮॥
বৃত্তেনারাধ্য তান্ সর্ব্বান্ গুরূন্ পতিপরায়ণা। বাচাপি পুরুষানন্যান্ সুব্রতা নান্বকীর্ত্তয়ৎ ॥১৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সম্ভবে গান্ধারীবিবাহো নাম চতুরধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:*—

অদুগী মতুংদা সুবলনা মশা মথন্তুগী বুদ্ধিন অশুম থনবদা ধৃতরাষ্ট্রগী বংশগী মিংচৎ চাওবা অমদি বংশ অসিদা পোকপা অয়ম্বা থবকতা শঙ্গন কনব অসিনাচিংবা গুণ ময়াম উবদা ধর্ম্ম চেন্নবী মচা নুপী গান্ধারীবু ধৃতরাষ্ট্রদা পীগে হায়না লেপখি। ১২॥ অদুগী মতুংদা ধৃতরাষ্ট্র হায়বসি মমিৎ ঙাংদ্রি হায়বা অমসুং মসিবু থংনথংন মপা সুবলনা মচোন্দা দাণ তৌগে হায়না থল্লে হায়বসি গান্ধারী মশামক্তা তাখি ॥ ১৩ ॥ মাসি হেক তশিব অদুগী তুংদগী "ঐ ইপুরোইবা অনি শুরোই" অসি হায়দুনা মপুরোইবা নীংবী গান্ধারীনা অনীরক অতুময়ক থুপ্তুনা থেকচিন্নবা ফিনা মমিৎ অনিত্তু [illegible] কাজিনখি ॥ ১৪ ॥ অদুগী মতুংদা নোংম, গান্ধারগী নিংথৌ সুবলগী মচা নিপা শকুনিনা [illegible] মচন নুপী গান্ধারীবু পুত্তুনা হস্তিনপুর কেংসুং তাম্না চৎখি। ১৫। অদুগী মতুংদা য়াম্না পীক্লিংনা তরাম তরাম্না মচন নুপীবু ধৃতরাষ্ট্রগী মখুত্তা শিন্দখি, কৎখি; অদুদগী ভীষ্মগী য়াথং লৌদুনা ধৃতরাষ্ট্র—গান্ধারী অনিগী বিবাহ তৌখি ॥ ১৬ ॥ অদুগী মতুংদা মতিক চারবা ফীজোল অমদি পনা নুপা লীক কোলগা চিংবগা লোয়ননা মচন নুপীবু দাণ তৌরমলগা অমদি থেইদোক চেন্দোক্লা ভীষ্মগী [illegible] মতিক চাবা সম্মান ফংদুনা শকুনি অসি গান্ধার দেশগী কোংসুং তাম্না চৎখি ॥ ১৭ ॥ মশক [illegible] গান্ধারীনা মাগী লমচৎ-ব্যবহার অমদি থবক থৌনাদা কৈশিংবা নুব মাগী মশুণনা [illegible] মী পুম্নমকপু পেলহল্লম্মি অমদি নুংশিহল্লম্মি ॥ ১৮ ॥ মপুরোইব নীংলবী গান্ধারীনা [illegible] পুম্নমকপু পেলহন্দুনা অমগা অমগা ইচন্ চম্না তোরোংথাদানা [illegible] কনাগুম্বা অতোপ্পা [illegible] [illegible] শামিন্নখিদে ॥ ১৯ ॥

[illegible] অসিনা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেৎবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা [illegible] [illegible] গান্ধারী-বিবাহ কৌবা চামগা মরিশুবা অধ্যায় লোইরে। x ॥

—:(*:—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে গান্ধারীবিবাহঃ ।

(মীরোল-নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা গান্ধারী লুহোংবগী ৱারী)

(চামা মঙাশুবা অধ্যায়)

—:(0):—

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

শূরো নাম যদুশ্রেষ্ঠো বসুদেবপিতাঽভবৎ । তস্য কন্যা পৃথা নাম রূপেণাপ্রতিমা ভুবি ॥১॥
পিতৃস্বস্রীয়ায় স তামনপত্যায় ভারত ! । অগ্র্যমগ্রে প্রতিজ্ঞায় স্বস্যাপত্যস্য বীর্য্যবান্ ॥২॥
অগ্রজামথ তাং কন্যাং শূরোঽনুগ্রহকাঙ্ক্ষিণে । প্রদদৌ কুন্তিভোজায় সখা সখ্যে মহাত্মনে ॥৩॥
সা নিযুক্তা পিতুর্গেহে দেবতাতিথিপূজনে । উগ্রং পর্য্যচরত্তত্র ব্রাহ্মণং সংশিতব্রতম্ ॥৪॥
নিগূঢ়নিশ্চয়ং ধর্ম্মে যং তং দুর্বাসসং বিদুঃ । তমুগ্রং সংশিতাত্মানং সর্ব্বযত্নৈরতোষয়ৎ ॥৫॥
তস্যৈ স প্রদদৌ মন্ত্রমাপদ্ধর্ম্মান্ববেক্ষয়া । অভিচারাভিসংযুক্তমব্রবীচ্চৈব তাং মুনিঃ ॥৬॥
যং যং দেবং ত্বমেতেন মন্ত্রেণাবাহয়িষ্যসি । তস্য তস্য প্রসাদেন পুত্রস্তব ভবিষ্যতি ॥৭॥
তথোক্তা সা তু বিপ্রেণ কুন্তী কৌতূহলান্বিতা । কন্যা সতী দেবমর্কমাজুহাব যশস্বিনী ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি — যদুবংশগী অথোইবা শূর হায়না কৌবা নিপা অমা লৈরম্মি ; মহাক অসি বসুদেবগী মপানি, পৃথা হায়না কৌবী মহাক্কী মচা নুপী অমা লৈরম্মী ; মতম অদুদা অগত্তা ফজবদা মাগা পান্দমনীংঙাই কনা অমত্তা লৈরমদে ॥ ১ ॥ অদুগা অমরোমদা, কুন্তিভোজ হায়বা নিংথৌ অসি ; শূর হায়রিবা অসিগী মপাগা পোকমিন্নবা মনেৌ মচানি; ভোজ নিংথৌ কুন্তিভোজ হায়বসিদি মচা পোকতে। অদুনা মহাক্না মমাংলৈদগী থোকপা শূরগী মচা ওইনা অমত্তা য়োকচগে পীয়ু হায়জখি ; শূরনসু মচা হেক পোকপগা পীগনি হায়না ৱাশক্লম্মি। মরম অদুনা শূরনা ইহান হান্না পোকপী মচানুপী পৃথাবু কুন্তিভোজ নিংথৌগী মথুংতা দান ওইনা পিরম্মি ॥২—৩॥ অহুম ওইবী পৃথানা নিংথৌ কুন্তিভোজগী কোন্থংদা লৈদুনা দেবতা অমদি অতিথিশিংগী সেবানা মথৌ ওইদুনা অহুম লৈরকপদা নোংমদি শাউগাদবা অমসুং ব্রত কাদবা কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ অমগী সেবা তৌবা তাথিরম্মি ॥ ৪ ॥ হায়রিবা ব্রাহ্মণ অসি ধর্ম্মগী কুপলবা তত্ববু মুন্না থংঙি, মহাক্কী মমিং "দুর্বাসা" অমুম হায়না থংনৈ। পৃথানা ব্রত কাদবা অমদি শাউগাদবা দুর্বাসা অসিগী হিরম পুরমক্তা পেন্নবা শাওদনবা কনা সেবা লাংবা তৌদুনা মুনি অসিবু পোইনা মথৱাই নুংঙাইহনম্মি ॥ ৫ ॥ পৃথা অসিগী অহুম য়েংবদা মচা পোক্নবগী লম্বিদা অপনবা থৱাং লৈ হায়বাসি থংলদুনা দুর্বাসানা পৃথাদা আকর্ষণ শক্তি পীবা মন্ত্র অমা পীরগা অহুম হায়খি— পৃথা ! মন্ত্র অসিনা নংনা কৌনিং কৌনিংবা দেবতা অদু কৌরগা মথোক্নগী থৌজালগী মচা থংগনি ।৬—৭॥ দুর্বাসানা অহুম হায়রবা মিচং চাউরবী কুন্তীহ কুমারাগী অবস্থাদা লৈনলৈনা মন্ত্র অদু সিদ্ধ ওইবরা ওইদবরা হায়বাহ থংনিংবনা মন্ত্র

ততো বনান্তরং কৃত্বা স্বমার্গং [illegible]। উপাতিষ্ঠৎ স তাং কন্যাং পৃথাং পৃথুললোচনাম্ ॥৯॥
সা দদর্শ তমায়ান্তং ভাস্করং লোকভাবনম্। বিস্মিতা চানবদ্যাঙ্গী দৃষ্ট্বা তন্মহদদ্ভুতম্ ॥১০॥
তাং সমাসাদ্য দেবস্তু বিবস্বানিদমব্রবীৎ। অয়মস্ম্যসিতাপাঙ্গি! ব্রূহি কিং করবাণি তে ॥১১॥

কুন্ত্যুবাচ।

কশ্চিন্মে ব্রহ্মবিৎ প্রাদাদ্বরং বিদ্যাঞ্চ শত্রুহন্। তদ্বিজিজ্ঞাসয়াহ্বানং কৃতবত্যস্মি তে বিভো! ॥১২॥
এতস্মিন্নপরাধে ত্বাং শিরসাহং প্রসাদয়ে। যোষিতো হি সদা রক্ষ্যাঃ স্বাপরাদ্ধাপি নিত্যশঃ ॥১৩॥

সূর্য্য উবাচ

বেদাহং সর্ব্বমেবৈতদ্দুর্ব্বাসা যদদাৎ তব। সন্ত্যজ্য ভয়মেবেহ ক্রিয়তাং সঙ্গমো মম ॥১৪॥
অমোঘং দর্শনং মহ্যমাহূতশ্চাস্মি তে শুভে!। বৃথাহ্বানেঽপি তে ভীরু! দোষঃ স্যাদেব সংশয়ঃ ॥১৫॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তা বহুবিধং সান্ত্বপূর্ব্বং বিবস্বতা। সা তু নৈচ্ছদ্বরারোহা কন্যাহমিতি পার্থিব!।
বন্ধুপক্ষভয়াদ্ভীতা লজ্জয়া চ যশস্বিনী ॥১৬॥
তামর্কঃ পুনরেবেদমব্রবীৎ ভরতর্ষভ!। মৎপ্রসাদান্ন তে রাজ্ঞি! ভবিতা দোষ ইত্যুত ॥১৭॥

অদুনা নোংমা সূর্য্যদেববু কৌখি ॥৮॥ অদুগী মতুংদা সূর্য্যনা নোং পূমনমক হাইদোক্লুনা নোং [illegible] লম্বি ফাংদুনা মিত্তা ফজরবী পৃথা কৌবী কন্যা অদুগী মনাক্তা থুংলে ॥৯॥ থেংইদোক্লা ফজরবী কুন্তীনা [illegible] অসেম্বা মপু ওইরিবা সূর্য্যদেবনা হেক লাকপা অদুদা মহাগী অঙকপা থবক [illegible] উবদা শুমহৎক ভকখ্রে ॥১০॥

সূর্য্যদেবনা কুন্তীগী নাক্তা লাক্লগা হায়রে—মিত্তা ভোরুমবী। নংমা কৌবনা "ঐ" লাক্লে, [illegible] ঐবু কদায় তো হায়রগে ॥১১। কুন্তীনা হায়খি- যেক্লবা পূম্বমক মাংহনবা [illegible]। কনাগুম্বা [illegible] লৈরবা ব্রাহ্মণ অমনা ঐঙোন্দা বর অমা অর্থাদ মন্ত্র অমগা পীরম্মী, মন্ত্র অদুগী শক্তি [illegible] কয়ামুক কনবগে হায়বহ খংনিংদুনা ঐনা নহাকপু কৌদুনা যেংবনি ॥১২॥ ঐনা তৌরুরিবা [illegible] অসিগী মমক ইকোক নোম্না সূর্য্যদেবগী মফমদা ভাকপির, হায়না হায়জরি। করিনা হায়বদু [illegible] ইরৈ লৈতনা কনাগুম্বা অমগী মফমদা অপরাধী ওইক্লবস্থ সুপী হাইং। অদুবুদি [illegible] [illegible] লাকপি ॥১৩॥ সূর্য্যদেবনা হায়খি— নচাপোক্লনবা দুর্বাসানা বরগা মন্ত্রগা পীরম্বনি, মসিংগী বা পূম্বমক অসি ঐ খুম্না খংঙি। করে অসি পূম্বমক, অকিবা চিংনবা পূম্বমক থদোক্লুনা হৌজিকমক ঐগা উনসি ॥১৪॥ ফজরবী! নংনা কৌবনা ঐ লাকপনি, মরম অদুনা ঐনা নংঙু উবা ফংবা, অদুদি [illegible] ঐবু উবা অসিসী মহে অরেম্বা থক মাংবা য়ারোই। মরম অদুনা কিগনুবী! মরম ইরৈ লৈতনা [illegible] মহে [illegible] নংগী নরানদি শোইদনা লৈগনি, মাসিগী করিমতা চিংনফম লৈতে ॥১৫॥ [illegible] হায়খি—মতৌ অমগা সূর্য্যনা মখল মখা অয়াম্বা যেংজিনবা য়াইহেনা কুন্তীনা হায়খি; [illegible] এইনমক কুন্তীনা ঐহ কন্যা-কুমারীনিকো অমগ হায়না খন্দুনা, অহল [illegible] কিবনা [illegible] [illegible] সূর্য্যনা হায়বা ব্যায় য়ানিংখিদে ॥১৬॥ মহারাজ! সূর্য্যনা অদুক [illegible] কুন্তীদা হায়খি— [illegible] ঐনা [illegible] রাজ্ঞী নংগী কমিত্তুবা দোষ [illegible] উবোই ॥১৭॥

কুন্ত্যুবাচ।

প্রসীদ ভগবন্! সত্যবদনেভ্যো হি বালিশে। ঘটেব পরিহর্তাং তাং কন্যাভাবং দূষণম্ ॥১৮॥

সূর্য্য উবাচ।

প্রসাদাত্তু তবায়ং তেহস্তু কুমারং প্রসবীষ্যসে। ময়া ত্বঞ্চাপ্যনুজ্ঞাতা পুনঃ কন্যা ভবিষ্যসি ॥১৯॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্ত্বা স ভগবান্ কুন্তিভোজসুতাং তদা। প্রকাশকর্ম্মা তপনং সম্বভূব তয়া সহ ॥২০॥

তত্র বীরঃ সমভবৎ সর্ব্বশস্ত্রবিদাং বরঃ। আমুক্তকবচঃ শ্রীমান্ দেবগর্ভঃ শ্রিয়ান্বিতঃ ॥২১॥

সহজং কবচং বিভ্রৎ কুণ্ডলোদ্যোতিতাননঃ। অজায়ত সুতঃ কর্ণঃ সর্ব্বলোকেষু বিশ্রুতঃ ॥২২॥

প্রাদাচ্চ তস্যৈ কন্যাত্বং পুনঃ স পরমদ্যুতিঃ। দত্ত্বা চ তপতাং শ্রেষ্ঠো দিবমাচক্রমে ততঃ ॥২৩॥

দৃষ্ট্বা কুমারং জাতং সা বার্ষ্ণেয়ী দীনমানসা। একাগ্রং চিন্তয়ামাস কিং কৃত্বা সুকৃতং ভবেৎ ॥২৪॥

গূহমানাপচারং সা বন্ধুপক্ষভয়াত্তদা। উৎসসর্জ্জ কুমারং তং জলে কুন্তী মহাবলম্ ॥২৫॥

তমুৎসৃষ্টং কুমারন্তু রাধাভর্ত্তা মহাযশাঃ। পুত্রত্বং কল্পয়ামাস সভার্য্যঃ সূতনন্দনঃ ॥২৬॥

নামধেয়ঞ্চ চক্রাতে তস্য বালস্য তাবুভৌ। বসুনা সহ জাতোঽয়ং বসুষেণো ভবত্বিতি ॥২৭॥

কুন্তীনা হায়খি -ভগবন। ঐবু চানবিয়ু, ঐ করিমত্তা চাউথোকচব নত্তে। কন্যা ওইবগী অবস্থাদা ওইগদৌরিবা দোষ অদো সূর্য্যদেবমকক্তা থোকহনবা হৌনদে ।১৮॥ সূর্য্যনা হায়ি—করিমত্তা কিগনু, নং থুনা য়াংনা নচা উবা ফংগনি, অদুগা নংস্তু ঐগী য়থংদগী কন্যা ওইবা ইকাই কায়রোই ॥ ১৯ ॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মত্তাল পুংনমক্তা নিংথৌ অমদি মত্তাল চায়বা অতবু শেম্বীরিবা সূর্য্যদেবনা কুন্তীদা য়া অমা অনি অস্তুমনা হায়রগা কন্যা কুন্তীগা লোয়নন অচৌকপদা উনখি ॥ ২০ ॥ মতম অতদা কুন্তীগী ফজরবা মচা নিপা অমা পোকখি; মহাক্কী মশাদা কবচ অমদি দেবতাগী অংাংগী মশাদা লৈগদৌবা অফবা লক্কন পিবিক য়াওই অতুগা অম্ভাং অসি মতুংদা খুংলাই হৈরাশিংগী মরক্তা খরাইদগী অকনবা অমা ওইখি।২১॥ মহাক্কী কবচদো পোকপদগী কোম্বরক্রবনি, নাকোং অনিদা য়াম্লিবা কুণ্ডল অনিগী মশেক্কা মাগী মাইথোং অদো পুমত্তাল ভাল্লি অম্ভাং অমি মতুংদা কর্ণ অহুম হায়না [illegible] ফাওখি।২২॥ সূর্যদেবনা কুন্তীগী মমদা কন্যা ওইবগী ফিবম [illegible] পীরগা মশেক [illegible] লোয়ননা নোংথক্তা পাইথখি।২৩॥ মচা অমা পোক্রে হায়বা উবদনা কুন্তীনা থোকদোক্লা [illegible] করম তৌরে হায়রগা লম পুক্নমক্তা কায়রোইদগে অর্মদি মতম ওইরগে হান্দক্ল থরাই [illegible] থনবা হৌরক্রে।২৪॥ শাপৈ—নাইক্তে [illegible]—মপাং খিবিকপু কিবনা [illegible] কন্যা [illegible] [illegible] হৌনরবা ফত্তবা থবক অদুবু থুপকে হায়রনা, মত্তিক—মতম মপাক্ত লৈরবা অম্ভাং অদুবু [illegible] [illegible] [illegible] ঈশিংদা তাওথরগে, ॥২৫॥ মতম অদুদা সূত [illegible] [illegible] [illegible] মহাক্কী ভার্য্যা রাধাগা লোয়ননা অম্ভাং অদুবু পুংথরবনা মচোইগী মচানি [illegible] লৌকখি ॥২৬॥ [illegible] অদু পোকপদগী [illegible] [illegible] লোয়ননা [illegible] [illegible] কুণ্ডল [illegible] লোয়ননা পোকখি [illegible] মহাক্কী [illegible] [illegible] হায়না কৌখি ।২৭॥

স বর্দ্ধমানো বলবান্ সর্বাস্ত্রেষূত্তমোঽভবৎ। আপৃষ্ঠতাপাদাদিত্যমুপাতিষ্ঠৎ বীর্যবান্ ॥ ২৮ ॥
তস্মিন্ কালে তু জপতস্তস্য বীরস্য ধীমতঃ। নাদেয়ং ব্রাহ্মণেষ্বাসীৎ কিঞ্চিৎ মহীতলে ॥২৯॥
ততঃ কালে তু কস্মিংশ্চিৎ স্বপ্নান্তে কর্ণমব্রবীৎ। আদিত্যো ব্রাহ্মণো ভূত্বা শৃণু বীর! বচো মম ॥৩০॥
প্রভাতায়াং রজন্যাং ত্বামাগমিষ্যতি বাসবঃ। ন তস্য ভিক্ষা দাতব্যা বিপ্ররূপী ভবিষ্যতি ॥ ৩১॥
নিশ্চয়োঽস্যাপহর্ত্তুং তে কবচং কুণ্ডলে তথা। অতস্ত্বাং বোধয়াম্যেষ স্মর্ত্তাসি বচনং মম ॥৩২॥

কর্ণ উবাচ।

শক্রো মাং বিপ্ররূপেণ যদি বৈ যাচতে দ্বিজঃ!। কথং তস্মৈ ন দাস্যামি যথা চাস্ম্যববোধিতঃ ॥৩৩॥
বিপ্রাঃ পূজ্যাস্তু দেবানাং সততং প্রিয়মিচ্ছতাম্। তং দেবদেবং জানন্ বৈ ন শক্তোঽস্ম্যবমন্ত্রণে ॥৩৪॥

সূর্য্য উবাচ।

যদ্যেবং শৃণু মে বীর! বরং তে সোঽপি দাস্যতি। শক্তিং ত্বমপি যাচেথাঃ সর্বশত্রুবিবাধিনীম্ ॥৩৫॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্ত্বা দ্বিজঃ স্বপ্নে তত্রৈবান্তরধীয়ত। কর্ণঃ প্রবুদ্ধস্তং স্বপ্নং চিন্তয়ানোঽভবত্তদা ॥৩৬॥

মপান্জল থোইনা কল্লবা অভাং অদো মুমিৎ খুদিং অস্সুম অস্সুম চাউখৎলকপগা লোয়ন লোয়ইননা লালগী খুৎস্সু খৎলাই মখল মখলদা থোইদোকনা চাউখৎপা ফংখি অদুগা মুমিৎ খুদিং মুমিৎ মুংবা মতম কাওনা সূর্য্যগী উপাসনা তৌখি ॥২৮॥ অদুম ওইবা সূর্য্যগী উপাসনাগী মতমদা বুদ্ধি লৈরবা কল্লবা কর্ণনা জপ তৌবিদুদা দান লৌগে লাকপা কনাগুম্বা অমাগী মফমদা মানা পীবা তমদবা লল থুম পোৎশক অমত্তা পৃথিবীদ লৈরমদে ॥২৯॥ মরম অদুমক্কনা চহি মতম খরদং হৌখ্রবাদুংদা নোংমা সূর্য্যদেবমক্না ব্রাহ্মণগী মশক লৌদ্বনা কর্ণগী মংদা লাক্কনা হায়খি—অকনবা ঐগী ঋা তাও ॥৩০॥ হয়েং হেক মোংভালবদা দেবরাজ ইন্দ্রনা ব্রাহ্মণগী মশক লৌদ্বনা নংগী নকমদা কব্রিগুম্বা ভিক্ষা অমা নিবা লাক্কনি, নং মাদোন্দা করিমত্তা পীরুস্সু ॥৩১॥ মরমদি মহাক্না নংগী কবচগা কুণ্ডল অনি অসিগা অমুক্তং দদি মহুৎপগে হায়না খনখ্রবনি। মরম অদুনা ঐনা মাংজোননা নংদোন্দা খংহন্নবা অসিনী; মানা হোয়েন মিরকপা মতমদা ঐনা হায়রিবা ঋাকৈ অসি হেক নিংশিংদু ৩২॥ কর্ণনা হায়খি—ব্রাহ্মণ! ইন্দ্রনা করিগুম্বা ব্রাহ্মণগী মশক লৌদুনা ঐগী ইকমদা লাক্কনা নিরবদা করি মরমগী মমক ঐনা মাদোন্দা ভিক্ষা পীকম থোক্কদুনা ঋাসি ঐদোন্দা হায়া খংহন্নরিবনো ॥৩৩॥ ব্রাহ্মণ হায়রবা অসিদি দেবতা মকোয় পূজা তৌকদনি। অদুমক্কনা দেবতাশিংবা ব্রাহ্মণগী পেন্নমবগী মমকত্তা মতম লৈবা খিবিকত্তা নখোইনা য়াবা অফবা থবকত্তা তৌই। লাক্লিবা ব্রাহ্মণ অসি ইন্দ্রনিকো হায়বা শংলবস ব্রাহ্মণবু ওইদনা লাক্লবদি মহাকপু ঐনা খক ইথোকপা ঙমলোই ॥৩৪॥ সূর্য্যনা হায়খি—অকনবা! করে অদু ওইরবদি ঐগী ঋা অসিখদি তাও। ইন্দ্রনস্সু নংদোন্দা বর অমা পীগে হায়রক্কনি; নংস্সু মতম অদুদা য়েক্লবা পুম্নমক হাৎপা ঙম্বা শক্তি অমা পীরক্ন হায়, ॥৩৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—ব্রাহ্মণগী মশক লৌরবা সূর্য্যনা কর্ণগী মংদা ঋাসি হায়রগা মংখাক্ কাখি। অদুগী মতুংদা নোংঙাক্লবদা কর্ণনা য়াংলৌরগা উঠখ্রবা মং অদুগী মরমদা চিন্তা তৌরকই ॥৩৬॥

তং শক্রো ব্রাহ্মণো ভূত্বা ভিক্ষার্থং সমুপাগতঃ। কবচং প্রার্থয়ামাস কাত্তনস্ত হিতে রতঃ ॥৩৭॥
স্বশরীরাৎ সমুৎকৃত্য কবচং স্বং নিসর্গজম্। বিপ্ররূপায় শক্রায় দদৌ কর্ণঃ কৃতাঞ্জলিঃ ॥৩৮॥
প্রতিগৃহ্য তু দেবেশস্তুষ্টস্তেনাস্য কর্ম্মণা। অহো সাহসমিত্যাহ মনসা বাসবো হসন্ ॥৩৯॥
দেবদানবযক্ষাণাং গন্ধর্ব্বোরগরক্ষসাম্। ন তং পশ্যামি যো হ্যেতৎ কর্ম্ম কর্ত্তা ভবিষ্যতি ॥৪০॥

প্রীতোঽস্মি কর্ম্মণা তেন বরং ব্রূহি যদিচ্ছসি।

কর্ণ উবাচ।

ইচ্ছামি ভগবদ্দত্তাং শক্তিং শত্রুনিবর্হণীম্ ॥৪১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

শক্তিং তস্মৈ দদৌ শক্রো বিস্ময়শ্চাক মব্রবীৎ। দেবদানবযক্ষাণাং গন্ধর্ব্বোরগরক্ষসাম্।

যস্মৈ ক্ষেপ্স্যসি ক্রুদ্ধঃ সন্ সা হনিষ্যতি ॥৪২॥

হত্বৈকং সমরে শক্তিস্ততো মামাগমিষ্যতি। ইত্যুক্ত্বান্তর্দধে শক্রো বর দত্বা তু তস্য বৈ ॥৪৩॥
প্রাগ্ নাম তস্য কথিতং বসুষেণ ইতি ক্ষিতৌ। কর্ণো বৈকর্ত্তনশ্চৈব কর্ম্মণা তেন সোঽভবৎ ॥৪৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি সম্ভবে কর্ণোৎপত্তির্নাম সপ্তাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥১০৭॥

মতম অংসদ বচা ইর্জ্জুংগী বাইনবগী দসক ইন্দ্রনা ব্রাহ্মণগী মশক লৌদুনা কর্ণগী মনাক্তা লাক্তুনা মাগী কবচ অদু পীয়ু হায়না ভিক্ষা নিখি ॥৩৭॥ মতম অদুদা কর্ণনা মাগী পোকপদগী মশাদা কোয়না য়াউরব্রবা কবচ ককথক্লুনা খুৎলোয়গনা ব্রাহ্মণগী মশক লৌরিবা ইন্দ্রদা দান তৌখি ॥৩৮॥ দেবরাজ ইন্দ্রনা কবচ লৌরনা কর্ণগী মকথদা থোইদোক্না পেনবিদুনা নোক্না নোক্ন মপূক্নিংদা মামা তৌরিবা থবক অসি করাদা অহুকপা অমদি থোনা ঝবগী থবকনে সে, অস্তুম হায়না খনখি ॥৩৯॥ দেব, দানব গন্ধর্ব্ব যক্ষ রাক্ষস অমদি কাচৌ-অচৌব লিলাশিংগী মরক্তস্ত্র কনাগুম্বা অমত্তুন অসিগুম্বা থবক অসি তৌবা ঙমখিদ্রে উবাখিদ্রে ॥৪০॥ যেংদেক্না হায়খি— কর্ণ নংনা তৌখিবা থবক অসিদা ঐনা থাজন পংস্রে মরম অদুনা নংনা অপাম্বা বরদু হায়ু, পীগে। কর্ণনা হায়রকই— য়েক্নবা হাৎপা ঙম্বা তা অমতং পীবরম্বু, মাত্তুনি ঐনা পাম্ব ॥৪১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি দেবরাজ ইন্দ্রন শক্তি কৌবা তাসেংলা অদু পীখি অমসুং অঙকপা মুংহাইবগা লোয়ননা হায়রকই— নং নংনা শাওদুনা মী মত্তাক অদুগী মকমদ খুৎলাই অসিবু কাপলুরবদি দেবতা থংদে, দানব থংদে যক্ষ থংদে, হিংচাবা থংদে অচৌ অচৌব লিলশিংগী মরক্ত থংদে মহাক অদো সোয়দনা খুদক্তা মথত্তাই থাগনি ॥৪২॥ অদুগা খুৎলাই অসি লানকমদা কত্তবা য়েক্নবা অমাবু হাৎলগা অমুক ঐগী নাক্তা লাকহনগনি। কর্ণদা দান অসি তৌরগা ইন্দ্রদো মকম অদুদগী মাংখোকখে ॥৪৩॥ অহানবদা রাধাগা অধিরথগা অনিনা অশোংবা কুন্তীগী মচা অসিবু বসুষেন অস্তুম হায়না মমিং থোননই। অদুগী মতুংদা মহাক্কী কবচ অদু ককথক্লুনা পীখি হায়দুনা কর্ণ অমদি বৈকর্ত্তন হায়বা মমিং অনি অসিমদু মানা তৌখিবা কর্ণ মহাক্কী মতুংদা খঙাইনা থোনখি ॥৪৪॥

মহাক্তা অসিনা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিখিচাসনা শ্রীব্যাসনা লেখবা সংহিতা আদি পর্ব্বদা সম্ভবদা কর্ণোৎপত্তি তৌবা চাকখতাবগা অধ্যায় লোইরে ॥১০৭॥

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে কুন্তীবিবাহঃ।

(মীরোল-মিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা কুন্তী লুহোংবগী ৱারী)

(চাম্মা তরামগুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

সত্ত্বরূপগুণোপেতা ধর্মারামা মহাব্রতা। দুহিতা কুন্তিভোজস্য পৃথা পৃথুললোচনা ॥১॥

তান্তু তেজস্বিনীং কন্যাং রূপযৌবনশালিনীম্। ব্যাবৃণ্বন পার্থিবাঃ কেচিদতীব স্ত্রীগুণৈর্যুতাম্ ॥২॥

ততঃ সা কুন্তিভোজেন রাজ্ঞাহূয় নরাধিপান্। পিত্রা স্বয়ংবরে দত্তা দুহিতা রাজসত্তম ! ॥৩॥

ততঃ সা রঙ্গমধ্যস্থং তেষাং রাজ্ঞাং মনস্বিনী। দদর্শ রাজশার্দ্দূলং পাণ্ডুং ভরতসত্তমম্ ॥৪॥

সিংহদর্পং মহোরস্কং বৃষভাক্ষং মহাবলম্। আদিত্যমিব সর্ব্বেষাং রাজ্ঞাং প্রচ্ছাদ্য বৈ প্রভাঃ।

তিষ্ঠন্তং রাজসমিতৌ পুরন্দরমিবাপরম্ ॥৫॥ (যুগ্মকম্)

তং দৃষ্ট্বা সাঽনবদ্যাঙ্গী কুন্তিভোজসুতা শুভা। পাণ্ডুং নরবরং রঙ্গে হৃদয়েনাকুলাঽভবৎ ॥৬॥

ততঃ কামপরীতাঙ্গী সকৃৎপ্রচলমানসা। ব্রীড়মানা স্রজং কুন্তী রাজ্ঞঃ স্কন্ধে সমাসজৎ ॥৭॥

বৈশম্পায়ুননা হায়খি — মহৌনা, মশাক মতৌ, মগুণ চেল্লবী মিত্তু ফজরবী কুন্তিভোজগী মচা নুপী পৃথ হায়রবী অসি মথং মথং ধর্মদ, পুক্কিং চংবী ব্রত উপাসনা করবী নুপী অমা ওইরম্রে ॥১॥ মশাক, মথোং কারকপগী শাওং শাদা ফজবা অমদি অথোংপা অনৌবা ইকাই খুম্বা ঙসিনচিংবা নুপী ওইবগী গুণনা তিল্লবী ভেজ লৈরবী কণ্ণা অসিবু লৈনিংবনা লৈবাক লৈবাক্কী নিংথৌ কয়ানা কুন্তি-ভোজদা হায়জখ ।২॥ মহারাজ ! অদুগী মতুংদা মপানিংথৌ কুন্তিভোজনা অতোপ-অতোপ্পা নিংথৌ কয়াবু কৌরগা মচানুপী অদুবু স্বয়ম্বর কৌবা বিবাহদা দান তৌথোকখ্রে হায়না খল্লে ।৩॥ অদুগী মতমদা শিংদবী কুন্তীনা রাজ সভা মনা দা চংশিনখিরনা শংবাহগী মরাইদা ফমলিবা ভরতগী হৈনৌ থাওয়াইদা ওইরিবা, নিংথৌ ফবোইবা পাণ্ডুবু উখ্রে; সোংশোগী চৌথোক্না ইচা থৌবা, মরাই কল্লকপা শাবা, মাক চাউরবা থবাক অমদি মনাবগী মিংকী মতৌগুম লংনা কোইনাজরবা শিং অমিদগী মহাক্কী ওইবা অহগুবা পাণ্ডুনা লুমিন্না মশাককী মশেক মঙালনা অতোপ অতোপ্পা রাজাশিংবু শেংনখিরবা মফম অদুদা, লমাপী নতিক মগুণ মঙালনা অতোপ অতোপ্পা নিংথৌশিং কয়াবু নামমহন্না অলিংবা ইন্দ্রগী মঙালগুম রাজ সভাদা ফমজনা লৈরম্মি ।৪—৫॥

হকচাংগী অরিগুবা শরুক্তা হাংজনা ফজরবী, উথিবা মরমগী মশাক ওইবী কুন্তীনা শকা শারিবা লৈরম্মি নিপাগী মথুংদা অয়েংবা পাণ্ডুবু উবদা থওজনা মপুকনিংবা লাংতক্না লৌরখি ॥৬॥ মথুক অদুগা চুম্নরবী, থোইবা-দগী কুন্তীনা ইকাই ইকাইনা মতাশিংদা তোয়নবা শন্তিরকপা পাণ্ডুগী ককোইদা লেই মালা হুকখি ॥৭॥

তং নিশম্য বৃতং পাণ্ডুং কুন্ত্যা সর্ব্বে নরাধিপাঃ। যথাগতং সমাজগ্মুর্গজৈরশ্বৈ রথৈস্তথা ॥৮॥
ততস্তস্যাঃ পিতা রাজন্! বিবাহমকরোৎ প্রভুঃ। স তয়া কুন্তিভোজস্য দুহিত্রা কুরুনন্দনঃ ॥৯॥
যুযুজেঽমিতসৌভাগ্যঃ পৌলোম্যা মঘবানিব। কুন্ত্যাঃ পাণ্ডোশ্চ রাজেন্দ্র! কুন্তিভোজো মহীপতিঃ ॥১০॥
কৃতোদ্বাহং তদা তস্ম নানা বসুভিরর্চ্চিতম্। স্বপুরং প্রেষয়ামাস স রাজা কুরুসত্তমম্ ॥১১॥
ততো বলেন মহতা নানাধ্বজপতাকিনা। স্তূয়মানো জয়াশীর্ভির্ব্রাহ্মণৈশ্চ মহর্ষিভিঃ ॥ ১২ ॥
সম্প্রাপ্য নগরং রাজা পাণ্ডুঃ কৌরবনন্দনঃ। ন্যবেশয়ত তাং ভার্য্যাং কুন্তীং স্বভবনে প্রভুঃ ॥১৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সম্ভবে কুন্তীবিবাহো নাম ষড়ধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(*):—

কুন্তী দেবীনা পাণ্ডুবু মপুরোইবনী হায়না থনখিবা অতুদা অতোপ-অতোপ্পা নিংথৌশিং অতুম্ হাম্না লাকখিবা অতুগুন মাগী মাগী শগোল শাম্ অমদি রথদা তোংতুনা ইকাই কায়রনা ভুমিন-তুমিন অহুম চৎনখি ॥৮॥ মহারাজ! অতুগী মতুংদা কুন্তীগী মপানিংথৌ কুন্তিভোজনা কুন্তী অমদি পাণ্ডুগী বিবাহ উৎসব নিংথিনা পাংথোকখি। অতুগী মতুংদা ইন্দ্রগা শচীগা অনিনা তিন্নখি-বগুম লাইবকফবা-ফবী পাণ্ডু-কুন্তী অনি তিন্নখি। অতুগী মতুংদা প্রজাবু পেলহনবা গুন্নবা কুন্তি-ভোজনা মণি মুক্তাগী লৈতেং অমদি অউনপোৎ মখল মখলগা লোয়ননা তরাম-তরাম তৌদুনা পাণ্ডু নিংথৌবু হস্তিনাপুরদা থাখি ॥৯—১১॥ অতুগী মতুংদা পাণ্ডু নিংথৌনা মখল মথা অয়াম্বা ফিরান অমদি খুংগু খুৎলাইনা থল্লবা লান্মি মপৈ পুন্নুনা হস্তিনাপুর তান্না চৎনবা যাত্রা তৌখি, মতম অমদা মহর্ষিশিংনা অমদি ব্রাহ্মণশিংনা জয়কারগী খোঞ্জেল্না অমদি মন্ত্রগা লোয়নরবা আশীর্ব্বাদগী ৱাহৈনা পাণ্ডুনিংথৌগী স্তুতি তৌখি, অসিগুম্না মওংদা নিংথৌ পাণ্ডুনা হস্তিনাপুরগী কোম্মুং য়ৌখিদুনা মহাক্কী ভার্য্যা কুন্তী দেবীবু রাজভবন মনুংদা চংহনখি ॥১২—১৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা কুন্তীবিবাহ কৌবা চাম তককগুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে পাণ্ডুদিগ্বিজয়ঃ

(মীয়োল—নিংথৌবোল পোকপগী মতাংদা পাণ্ডুনা দিগ্‌বিজয় তৌবগী বায়ী)

(চাম্মা তরেংহুবা অধ্যায়)

——.(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ শান্তনবো ভীষ্মো রাজ্ঞঃ পাণ্ডোর্যশস্বিনঃ। বিবাহস্যাপরস্যার্থে চকার মতিমান্ মতিম্ ॥১॥

সোঽমাত্যৈঃ স্থবিরৈঃ সার্দ্ধং ব্রাহ্মণৈশ্চ মহর্ষিভিঃ। বলেন চতুরঙ্গেণ যযৌ মদ্রপতেঃ পুরম্ ॥২॥

তমাগতমভিপ্রেত্য ভীষ্মং বাহ্লীকপুঙ্গবঃ। প্রত্যুদ্গম্যার্চ্চয়িত্বা চ পুরং প্রাবেশয়ন্নৃপঃ ॥৩॥

দত্ত্বা তস্যাসনং শুভ্রং পাদ্যমর্ঘ্যং তথৈব চ। মধুপর্কঞ্চ মদ্রেশঃ পপ্রচ্ছাগমনেঽর্থিতাম্ ॥৪॥

তং ভীষ্মঃ প্রত্যুবাচেদং মদ্ররাজং কুরূদ্বহঃ। আগতং মাং বিজানীহি কন্যার্থিনমরিন্দম ॥৫॥

শ্রূয়তে ভবতঃ সাধ্বী স্বসা মাদ্রী যশস্বিনী। তামহং বরয়িষ্যামি পাণ্ডোরর্থে যশস্বিনঃ ॥৬॥

যুক্তরূপো হি সম্বন্ধে ত্বং নো রাজন্ বয়ং তব। এতৎ সংচিন্ত্য মদ্রেশ গৃহাণাস্মান্ যথাবিধি ॥৭॥

তমেবংবাদিনং ভীষ্মং প্রত্যভাষত মদ্রপঃ। ন হি মেঽন্যো বরস্ত্বত্তঃ শ্রেয়ানিতি মতির্মম ॥৮॥

পূর্ব্বৈঃ প্রবর্ত্তিতং কিঞ্চিৎ কুলেঽস্মিন্ নৃপসত্তমৈঃ। সাধু বা যদি বাঽসাধু তন্নাতিক্রান্তুমুৎসহে ॥৯॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগী মতুংদা বুদ্ধি লৈববা শান্তনুগী মচা নিপা ভীষ্মনা মিংচৎ চাউরবা পাণ্ডু নিংথৌগী অতোপ্পা বিবাহ অমা তমুক তৌহনগে হায়না অমুক খল্লি ॥১॥ অদুগী মতুংদা অহল ওইরবা মন্ত্রীশিং অমদি গুণ চেল্লবা ব্রাহ্মণ মহর্ষিখিবিক্তা লোয়ননা চতুরঙ্গ লান্মি হায়বদি শগোল, শামু, রথ, খোংমীনা থল্লবা লাশ্মি মপৈ পুদুনা মদ্র নিংথৌগী কোন্নুং তাম্মা চৎখি ॥২॥ ভীষ্ম লাক্লে তাবদা, বাহ্লিকি বংশগী অথোইবা, মদ্রদেশগী শৈলাককোবা নিংথৌনা কোন্নুংমনুংদগী থোরক্লুনা লৈশি লৈথোলনা তরাম তবাম্না ভীষ্মবু কোন্নুংমনুংদা পুশিলখি ॥৩॥ অদুগী মতুংদা মদ্রনিংথৌনা ভীষ্মগীদমক্তা আসন, চা-থক্লবা পোৎচে অমদি পূজাগী সামগ্রীনচিংবা লাংহনা কৎলগা ভীষ্মনা লাকপগী মরম হংখি ॥৪॥ মতম অদুদা কুরু শাগেগী অথোইবা ভীষ্মনা মদ্ররাজগী মফমদা হায়খি— মহারাজ ! ঐ কন্যা হায়গে লাকচবনি অসুম হায়না খংবিয় ॥৫॥ লমচৎ ফজরবী অমদি থোইদোক্লা নিংথিজরবী মাদ্রী কৌবী নচল ইবেম্মা অমা লৈ হায়বাসি তারে, কন্যা অসিবু ঐচা পাণ্ডুনিংথৌগীদমক্তা হায়গে লাকচবনি ॥৬॥ মরমদি বিবাহগী সম্বন্ধসিদা হায়বদি ঙাই-শেল থোক্লবদা মহারাজ অদুগা ঐখোয়নু অমনা অমগী ঙাই-শেল থোকনবদা মতিক চানবা ঙাক্কনি, অসুম হায়না খল্লদুনা লাকচবাসিদা নীংবা অসি থুংহনবিয়ু, তরাই তরাইনা তৌবিগনু ॥৭॥ ভীষ্মনা অসুম হায়রবদা মদ্রনিংথৌনা হায়খি— ভীষ্মদেব খোয়গী বংশগী বরদগী হেন্না ফবা অতোপ্পা বর অমা ঐখোয়দা অমা অমুক লৈগদৌবা নত্তে, অসুম হায়না খল্লে ॥৮॥ অদুদা ঐখোয়গী বংশ অসিগী ইবুধৌ-নিংথৌশিংনা নিয়ম অমত্তং চৎনরম্মে; মাচু

ব্যক্তং তদ্ভবতশ্চাপি বিদিতং নাত্র সংশয়ঃ । ন চ যুক্তং তথা বক্তুং ভবান্ দেহীতি সত্তম ॥১০॥
কুলধর্ম্মঃ স নো বীর ! প্রমাণং পরমঞ্চ তৎ । তেন ত্বাং ন ব্রবীম্যেতদসন্দিগ্ধং বচোঽরিহন্ ! ॥১১॥
তং ভীষ্মঃ প্রত্যুবাচেদং মদ্ররাজং মহামতিঃ । ধর্ম্ম এষ পরো রাজন্ ! স্বয়মুক্তঃ স্বয়ম্ভুবা ॥১২॥
নাত্র কশ্চন দোষোঽস্তি পূর্ব্বৈর্বিধিরয়ং কৃতঃ । বিদিতেয়ঞ্চ তে শল্য ! মর্য্যাদা সাধুসম্মতা ॥১৩॥
ইত্যুক্ত্বা স মহাতেজাঃ শাতকুম্ভং কৃতাকৃতম্ । রত্নানি চ বিচিত্রাণি শল্যায়াদাৎ সহস্রশঃ ॥১৪॥
গজানশ্বান্ রথাংশ্চৈব বাসাংস্যাভরণানি চ । মণিমুক্তাপ্রবালঞ্চ গাঙ্গেয়ো ব্যসৃজচ্ছুভম্ ॥১৫॥
তৎ প্রগৃহ্য ধনং সর্ব্বং শল্যঃ সম্প্রীতমানসঃ । দদৌ তাং সমলঙ্কৃত্য স্বসারং কৌরবর্ষভে ॥১৬॥
স তাং মাদ্রীমুপাদায় ভীষ্মঃ সাগরগাসুতঃ । আজগাম পুরং ধীমান্ প্রবিষ্টো গজসাহ্বয়ম্ ॥১৭॥
তত ইষ্টেঽহনি প্রাপ্তে মুহূর্ত্তে সাধুসম্মতে । জগ্রাহ বিধিবৎ পাণিং মাদ্র্যাঃ পাণ্ডুর্নরাধিপঃ ॥১৮॥
ততো বিবাহে নির্বৃত্তে স রাজা কুরুনন্দন ! । স্থাপয়ামাস তাং ভার্য্যাং শুভে বেশ্মনি ভাবিনীম্ ॥১৯॥

অফববু ওইরবসু ফত্তববু ওইরবসু ঐখোযনা থাদোকচবা ঙমজরোই ॥৯॥ নিয়ম অসি মযাম পুম্নমকস্ন খংবিবিবা অসিমঙাই. অসিগুম্বা নিয়ম অসিমা লৈ হায়বদা চিংনর্নিংঙাই লৈতে । মরম অদুনা "কন্যাগী মমক শেল থুম থরদং পীবিয়ু" হায়বা ৱাড়াং অসিম ভীষ্মদেবগুম্বা অমাগী মফমদা হাযববুদি হৌনদে ॥১০॥ য়েক্লবা পুম্নমক ঙম্লবা ! অকনবা ! নিয়ম অসে ঐখোযগী শাগেগী চৎনরক্লবা নিয়ম অমা ওইনা তৌই মাসি ঐখোযগী মফমদা চাউরবা প্রমান অমা ওইনা লৈবে। মরম অদুনা বিষয অসিদা করিমত্তা চিংনফম লৈতেদি হায়ববু ভীষ্মদেবগুম্বা অমাগী মফমদা অসুম্না হায়বসি হৌনদমাম্লে হায়না শন্দুনা হাযদোকচবা ঙমদ্রবনি ॥১১॥ খক্লিক্কা হাযদোরকপদা খংলবা শীংলবা ভীষ্মনা মদ্রদেশগী নিংথৌদা অসুম্না হায়খি— মহারাজ ! শাগেগী চৎনরবপা কুলধর্ম্ম হায়বাসে অথোইবা ধর্ম্ম অমনি হায়না ব্রহ্মা মশামক্না হায়খ্রবনি ॥১২॥ মরম অদুনা নিযম অদুদা দোষ করিমত্তা লৈতে । অদুগা মহারাজখোয়গী পূর্ব্বপুরুষশিংনা নিয়ম অসি চৎনরম্মি হায়দুনা মহারাজখোযগী কুলধর্ম্ম অমা ওইনা লৈবতনি । মদ্ররাজ ! মহারাজখোয়গী অসিগুম্বা সাধুমহাত্মা শিংনা যানরম্বা নিয়ম অমা লৈ হায়বাসিসু ঐখোয় মুন্না খংঙি ॥১৩॥ মহাবীর ভীষ্মনা ৱাহৈ অসি হাযদুনা সনা-লুপা-মণি-মুক্তাগী লৈতেং মথল মথল পুথোরক্লুনা কন্যাগী মমলগুম শৈল্যগী মফমদা পীরে ॥১৪॥ অমুকসু ভীষ্মনা কন্যাগী মমলগুম শগোল শাম্, রথ, মমল য়াম্লবা ফিরোন কয়া অমদি অকবা থুদম-মযিনা তিল্লবা মণি, মুক্তা, পুহাল মচিংবা পীখি ॥১৫॥ শৈল্যনা হী য়াই পুম্নমকসি লৌরগা থোইদোক্না মথম্বাই নুংঙাইনা মচল যুপী মাদ্রীবু নিংখিনা ফিজেৎ লৈতেংদুনা ভীষ্মগী মখুত্তা শিন্নখি ॥১৬॥ শীংলবা গঙ্গাগী মচা ভীষ্মনা মাদ্রীবু পুদুনা য়াম্না হারাউনা হস্তিনাপুর ভাম্না চৎখি ॥১৭॥ অদুগী মতুংদা, অফবা নুমিৎ অমদা অফবা লগ্ন য়েংদুনা অহৈ-অনিং কয়ানা য়াম্নবা অফবা মুহূর্ত্তদা মহারাজ পাণ্ডুনা শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা মাদ্রীগী খুৎ শায়খি ॥১৮॥ মহারাজ ! বিবাহ অদুনা লোয়রবদা পাণ্ডুনিংথৌনা, মপুরোইবা অদুবু

স তাভ্যাং ব্যচরৎ সার্দ্ধং ভার্য্যাভ্যাং রাজসত্তমঃ। কুন্ত্যা মাদ্র্যা চ রাজেন্দ্র ! যথাকামং যথাসুখম্ ॥২০॥
ততঃ স কৌরবো রাজা বিহৃত্য ত্রিদশা নিশাঃ। জিগীষয়া মহীং পাণ্ডুর্নিরক্রামৎ পুরাৎ প্রভো ! ॥২১॥
স ভীষ্মপ্রমুখান্ বৃদ্ধানভিবাদ্য প্রণম্য চ। ধৃতরাষ্ট্রঞ্চ কৌরব্যং তথান্যান্ কুরুপুঙ্গবান্।
আমন্ত্র্য প্রযযৌ রাজা তৈশ্চৈবাভ্যনুমোদিতঃ ॥২২॥
মঙ্গলাচারযুক্তাভিরাশীর্ভিরভিনন্দিতঃ। গজ-বাজি রথৌঘেন বলেন মহতাগমৎ ॥২৩॥
স রাজা দেবগর্ভাভো বিজিগীষুর্বসুন্ধরাম। হৃষ্টপুষ্টবলৈঃ প্রায়াৎ পাণ্ডুঃ শত্রূননেকশঃ ॥২৪॥
পূর্বমাগস্কৃতো গত্বা দশার্ণাঃ সমরে জিতাঃ। পাণ্ডুনা নরসিংহেন কৌরবাণাং যশোভৃতা ॥২৫॥
ততঃ সেনামুপাদায় পাণ্ডুর্নানাবিধ ধ্বজাম। প্রভূতহস্ত্যশ্বযুতাং পদাতিরথসঙ্কুলাম্ ॥২৬॥
আগস্কারী মহীপানাং বহূনাং বলদর্পিতঃ। গোপ্তা মগধরাষ্ট্রস্য দার্বো রাজা গৃহে হতঃ ॥২৭॥
ততঃ কোষং সমাদায় বাহনানি চ ভূরিশঃ। পাণ্ডুনা মিথিলাং গত্বা বিদেহাঃ সমরে জিতাঃ ॥২৮॥
তথা কাশীষু সুহ্মেষু পৌণ্ড্রেষু চ নরর্ষভ !। বিজিত্য পৃথিবীপালান কুরূণামকরোদ্ যশঃ ॥২৯॥
তং শরৌঘমহাজ্বালং শস্ত্রার্চ্চিষমরিন্দমম। পাণ্ডুপাবকমাসাদ্য ব্যদহ্যন্ত নরাধিপাঃ ॥৩০॥

লাংতক্লনা পামজবী ভার্য্যা ওইবী মাদ্রীবু ফজরবা শংগায অমদা থমখি ॥১৯॥ মহারাজ ! নিংথৌ অথোইবা পাণ্ডুনা কুন্তী-মাদ্রী কৌবী ভার্য্যা অনিগা লোযননা মুংঙাইনা চানিংবা চা শেংনিংবা শেং তৌত্নুনা মতম লেনখি ॥২০॥ জনমেজয মহারাজ ! অদুগী মতুংদা নিংথৌ পাণ্ডুনা থা অমা চপ্পা ভার্য্যা অনিগা লোযননা মুংঙাইনা শান্নমিন্নরবা মতুংদা দিগ্ বিজয চৎকে হাযদুনা হস্তিনাপুর কোম্নুংদগী যাত্রা তৌখি ॥২১॥ পাণ্ডুনা ভীষ্মনচিংবা বুক শাগৈগী অহল লম্মন পুম্নমক অমদি মযাম্মুং ধৃতরাষ্ট্রবু খুরুম্নমদুনা অদুগা কুরুবংশগী অতোপ-কুতোপ্পা অথোইবা পাত্র মিত্রশিংদগী বিদায লৌদুনা অমদি মযাম্না য়াম্নদুনা যাত্রা তৌখি ॥২২॥

মতম অদুদা ব্রাহ্মণশিংনা ফৌ—তিংথৌনচিংবা মঙ্গলগা লোযননা চাইদুনা আশীর্বাদ তৌদুনা নিংথৌ পাণ্ডুবু মথৱাই মুংঙাইহল্লবা তুংদা শগোল-শামু রথ পুম্নমক থল্লবা চাউরবা লাশ্মি তেঙ্গোল পুদুনা চৎখে ॥২৩॥ ইন্দ্রগা মান্নরবা নিংথৌ পাণ্ডুনা পৃথিবী পুম্নমক জয় তৌগে হাযনা থম্দুনা মথৱাই মুংঙাইববা লাশ্মি তেঙ্গোল পুম্নমক্কা লোযননা য়েক্লবাশিংগী লৈবাক লৈবাক খিবিক্লা লাম্দাবা হৌখে ॥২৪॥ কৌরবশাগৈগী মিংচৎ হেনগৎনবগী মশক ওইববা মী অথোইবা পাণ্ডুনা ইহ'ন হানবদা মমাংদৈদা মুংঙাইনখিদবা দশার্ণদেশগী নিংথৌবু লানফমদা মাইথিবা পিখি ॥২৫॥ অদুগী মতুংদা পাণ্ডুনা মখল মখা অযাম্বা ফিরান, মশিং লাবক্তমদ্রবা শামু শগোল থোংমি অমদি রথ কয়ামা তিল্লবা পাক চাউরবা লাশ্মি তেঙ্গোল পুদুনা মগধদেশ বোমদা চংশিনখি ॥২৬॥ মফম অদুদা থুংলদুনা, নিংথৌ অয়াম্বাগী মমাংদা মমাংদৈদা মুংঙাইনখিদবা, মপাঙ্গম্নাময়াই-নাপল কারবা, মগধনিংথৌ দার্বব্বু মযুম মনুংদা চংদুনা হাৎখি ॥২৭॥ অদুগী মতুংদা মগধ লৈবাকী লন থুম শগোল-শামু লোয়না লৌদুনা মিথিলা তামা চংদুনা পাণ্ডুনিংথৌনা বিদেহ দেশগী নিংথৌ প্রজা লোয়না মায়থীবা পিখি ॥২৮॥ মহারাজ ! অদুগী মতুংদা পাণ্ডুনা কাশী, সুহ্ম, অমদি পুণ্ড্রদেশকী নিংথৌশিংবু জয় তৌদুনা কুরুবংশগী মিংচৎ মাইকৈ পুম্বদা শন্দোকখি ॥২৯॥ তেল মপৈগী মশক ওইরবা মৈরিনা থল্লবা অমদি অতোপ অতোপ্পা খুৎলাইনা মৈরিমচা মচা ওইরবা য়েক্লবা মাংহনবা পাণ্ডুগী মশক ওইরবা, মৈহুংদা য়েক্লবা নিংথৌ

তে সসনাঃ সসেনেন বিধ্বংসিতবলা নৃপাঃ । পাণ্ডুনা বশগাঃ কৃত্বা কুরুকর্ম্মসু যোজিতাঃ ॥৩১॥
তেন তে নির্জ্জিতাঃ সর্ব্বে পৃথিব্যাং পৃথিবীক্ষিতঃ । তমেকং মেনিরে শূরং দৈত্যা ইব পুরন্দরম্ ॥৩২॥
তং কৃতাঞ্জলয়ঃ সর্ব্বে প্রণতা বসুধাধিপাঃ । উপাজগ্মুর্ধনং গৃহ্য রত্নানি বিবিধানি চ ॥৩৩॥
মণিমুক্তাপ্রবালঞ্চ সুবর্ণং রজতং বহু । গোরত্নাশ্বরত্নানি রথরত্নানি কুঞ্জরান্ ॥৩৪॥
খরোষ্ট্রমহিষাংশ্চৈব যচ্চ কিঞ্চিদজাবিকম্ । কম্বলাজিনরত্নানি রাঙ্কবাস্তরণানি চ ॥৩৫॥ [বিশেষকম্]
তৎ সর্বং প্রতিজগ্রাহ রাজা নাগপুরেশ্বরঃ । তদাদায় যযৌ পাণ্ডুঃ পুনর্মুদিতবাহনঃ ।
হর্ষয়িষ্যন্ স্বরাষ্ট্রাণি পুরঞ্চ গজসাহ্বয়ম্ ॥৩৬॥
শান্তনো রাজসিংহস্য ভরতস্য চ ধীমতঃ । প্রনষ্টঃ কীর্ত্তিজঃ শব্দঃ পাণ্ডুনা পুনরাহৃতঃ ॥৩৭॥
যে পুরা কুরুরাষ্ট্রাণি জহ্রুঃ কুরুধনানি চ । তে নাগপুরসিংহেন পাণ্ডুনা করদীকৃতাঃ ॥৩৮॥
প্রতীতমনসো হৃষ্টাঃ পৌরজানপদৈঃ সহ । প্রত্যুদ্যযুস্তমায়ান্তং সর্ব্বে ভীষ্মপুরোগমাঃ ॥৩৯॥
তে নদূরমিবাধ্বানং গত্বা নাগপুরাজনাঃ । আবৃতং দদৃশুর্হৃষ্টা লোকং বহুবিধৈর্জনৈঃ ॥৪০॥

কয়ানা চোংশিন চোংশিন্দুনা চাকখি ॥৩০॥ পাক চাউ বা লাম্নি তেঙ্গোল পুমনমক্কী লুচিংবা পাণ্ডুনা অতোপ অতোপ্পা লাম্নি তেঙ্গোলশিংবু মা হন্দুনা, নিংথৌশিং অদুবু মখা পোলহন্দুনা মখোয়বু কুরুশাগৈশিংগী মিনাইগী থবক্তা শিজিন্নখি ॥৩১॥ দৈত্য-দানবশিংনা ইন্দ্রগী মথুক্তা মাইথিবা ফংদুনা মহাকপু মখোয় পুম্নমক্কী অকনবা অথোইবা লুচিংবনি হায়না য়ানথিবাগুম, পৃথিবীগী অতোপ-অতোপ্পা নিংথৌশিংনা পাণ্ডুগী মথুক্তা মাইথিবা ফংদুনা মহাকপু মখোই পুম্নমক্কগী থোইনা কনবা লুচিংবনি হায়না যানখি অমদি লৌনখি ॥৩২॥ অদুগী মতুংদা মণি, মুক্তা, পোহাল, যণ, শগোল, রথ শামু লোল্লা, উট, ইরাই, হামেং, যাউ, ফরফরবা ফিরোন, কম্বল মথল মখল, কৈ, শজিগী ফর-ফরবা মউল, রঙ্কুকৌবা মতু চোম্নবা শাগী মতুনা শাবা পাক্ল-পাক্লবা গালিচা-ফিদা অমদি মমল য়াম্নবা মচু মথল মখলগী মনিরত্ন কযা পুশিল্লক্কুনা, মকোক নোম্না নিংথৌ পুম্নমক্না মথুং লোম্নদুনা পাণ্ডু নিংথৌগী মফমদা চংজখি ॥৩৩—৩৫॥ হস্তিনাপুরগী নিংথৌ পাণ্ডুনা লোইপোৎ ময়াম অদু লৌখি অমসুং পুমনমক অদু পুদুনা মবৈপাক্কী অমদি কোম্সুংগী মী পুমনমক্কা য়েনবীদুনা পেলহল্লুনি অমদি নুংঙাই হল্লুনি হায়না চৎখ্রে। মতম অদুদা শগোল শামুনাচিংবা শাদোং পুমনমকপুসু মথল মখা অয়াম্বা চিঙ্গাক্লা নুংঙাইহনখি অমদি মক শিংহনখি ॥৩৬॥ নিংথৌ অথোইবা শান্তনুগী অমদি শীংলবা কল্লবা ভরতকী মতিক মগুণ মিংচৎকী য়ারি থর থর মুথরক্লবা মতম অসিদা পাণ্ডু কৌবা নিংথৌনা মবুধৌশিংগী মিংচৎকী য়ুম্বীবু অমুরক চেৎহনখি ॥৩৭॥ অদুগুম্বা নিংথৌ পুম্নমক অদুনা মমাংদৈদা কৌরবশিংগী লৈবাক অমদি লন-থুম্মু মুন্দুনা পুখিবা মখোয় অদুবু হস্তিনাপুরগী নিংথৌ পাণ্ডুনা মহাক্কী লোইপোৎ হাবা মখাপোনবা ওইহনখি ॥৩৮॥ ভীষ্মনাচিংবা কৌরবকী অহল-লমাণ পুরবাসী অমদি দেশবাসী থিহিক্লা অমত্তা ওইনা মথক্নাই নুংঙাইনা হয়াউ তয়াম্না নুংলবা পাণ্ডুবু থোরক্কুনা স্বাগত তৌখি ॥৩৯॥ মখোয় পুম্নমক্না মথক্নাই নুংঙাইনা, হস্তিনা পুরগী থর লাপুক্লা চৎথোক্কুনা, গ্রামগী মী পুম্নমক্না কোইশিন্নবা পাণ্ডুগী লাম্নী তেঙ্গোলবু উনা ফংখি ॥৪০॥

নানাযানসমানীতৈ রত্নৈরুচ্চাবচৈস্তথা। হস্ত্যশ্বরথরত্নৈশ্চ গোভিরুষ্ট্রৈরজৈস্তথা।
নান্তং দদৃশুরাসাদ্য ভীষ্মেণ সহ কৌরবাঃ ॥৪১॥
সোঽভিবাদ্য পিতুঃ পাদৌ কৌশল্যানন্দবর্দ্ধনঃ। যথার্হং মানয়ামাস পৌরজানপদানপি ॥৪২॥
প্রমৃদ্য পররাষ্ট্রাণি কৃতার্থং পুনরাগতম্। পুত্রমাশ্লিষ্য গাঙ্গেয়ো হর্ষাদশ্রূণ্যবর্ত্তয়ৎ ॥৪৩॥
স তূর্য্যশতশঙ্খানাং ভেরীণাঞ্চ মহাস্বনৈঃ। হর্ষয়ন সর্ব্বশঃ পৌরান্ বিবেশ গজসাহ্বয়ম্ ॥৪৪॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সম্ভবে পাণ্ডুদিগ্বিজয়ো নাম সপ্তাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০)—

মখল মখা অয়াম্বা রথ থম্ন-থম্না মণিমুক্তা যযা পুরক্লি, শগোল শামু, ষণ, উট, অমদি হংমেং মপৈ-মপৈ পুরাক্ল, ভীষ্মনা চিবা কৌরবশিংনা অস্থম যেংখিববু পাণ্ডুগী লাম্মি তেঙ্গোলগী সীমা উবা ফংখিদে ॥৪১॥ অম্বালিকাগী মুংঙাইবা হেমগৎনবগী মশক ওইরবা পাণ্ডুনা ভীষ্মগী চরণ অনিমক্তা খুরমজুনা অদুগী তুংদা পুরবাসী দেশবাসীশিংবু মতিক চান চানা তরাম-তরাম্না কৌবিখি ।৪২॥

পাণ্ডুনা অতোপ অতোপ্পা নিংথৌশিংবু জয় তৌদুনা মখোয়গী লৈবাকশিংবু লৌশিনদুনা দিগ্-বিজয় চৎলুবগী মতৈ য়ান্দুনা হল্লকপা তদু উবদা ভীষ্মনা পাণ্ডুবু কোন্দুনা মুংঙাইবগী প্রেম ধারা শিন্থখি।৪৩॥ অদুগী তুংদা পাণ্ডুনা পুং-শেং, মোইবুং ঢোল, নচিংবগী খোঞ্জেল্না পূববাসীশিংবু মুংঙাই-হন্দুনা হস্তিনা কোম্মং মন্থুংদা চংখি ॥৪৪॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীবেদব্যাসনা লংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা পাণ্ডু দিগ বিজয় কৌবা চামগা তরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—()—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে বিদুরপরিণয়ঃ।

(মীরোল-নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা বিদুরপরিনয়ঃ কৌবগী ৱারী)

(চামা নিপাল শুবা অধ্যায়)

—:(*)—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

শ্রুত্বা দ্রুপদ্যাত্মজাস্তঃ স্ববাহুবিজিতং ধনম্। ভীষ্মায় সত্যবত্যৈ চ মাত্রে চোপজহার সঃ ॥১॥
বিদুরায় চ বৈ পাণ্ডুঃ প্রেষয়ামাস তদ্ধনম্। সুহৃদশ্চাপি ধর্ম্মাত্মা ধনেন সমতর্পয়ৎ ॥২॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— পাণ্ডুন ধৃতরাষ্ট্রগী য়াথং মতুংইন্না মহাক্কী পাখোমগা পাজন্না জানশিন-খ্রকপা লাকপুম পুম্নমকপু ভীষ্ম, সত্যবতী অমসুং মমা অম্বিকা খুদোন পোৎ ওইনা কংখি ॥১॥

মদুশিং অদু বিদুরগী শককম্ন থুংখি; লন থুম্ন অমতনা মরূপ পুম্নমকপুসু মুংঙাইহনখি ॥২॥

ততঃ সত্যবতীং ভীষ্মঃ কৌশল্যাঞ্চ যশস্বিনীম্ ।　　শুক্রৈঃ পাণ্ডুজিতৈ রত্নৈস্তোষয়ামাস ভারত ॥৩॥
ননন্দ মাতা কৌশল্যা তমপ্রতিমতেজসম্ ।　　জয়ন্তমিব পৌলোমী পরিষজ্য নরর্ষভম্ ॥৪॥
তস্য বীরস্য বিক্রান্তৈঃ সহস্রশতদক্ষিণৈঃ ।　　অশ্বমেধশতৈরীজে ধৃতরাষ্ট্রো মহামখৈঃ ॥৫॥
সম্প্রযুক্তস্তু কুন্ত্যা চ মাদ্র্যা চ ভরতর্ষভ ।　　জিততন্দ্রিস্তদা পাণ্ডুর্বভূব বনগোচর ॥ ৬ ॥
হিত্বা প্রাসাদনিলয়ং শুভানি শয়নানি চ ।　　অরণ্যনিত্যঃ সততং বভূব মৃগয়াপর ॥৭॥
স চরন্ দক্ষিণং পার্শ্বং রম্যং হিমবতো গিরেঃ ।　　উবাস গিরিপৃষ্ঠেষু মহাশালবনেষু চ ॥৮॥
ররাজ কুন্ত্যা মাদ্র্যা চ পাণ্ডুঃ সহ বনে বসন্ ।　　করেণ্বোরিব মধ্যস্থঃ শ্রীমান পৌরন্দরো গজঃ ॥৯॥
ভারতং সহ ভার্য্যাভ্যাং খড়্গবাণধনুর্দ্ধরম্ ।　　বিচিত্রকবচং বীরং পরমাস্ত্রবিদং নৃপম্ ।
দেবোঽয়মিত্যমন্যন্ত চরন্তং বনবাসিনঃ ॥১০॥
তস্য কামাংশ্চ ভোগাংশ্চ নরা নিত্যমতন্দ্রিতাঃ ।　　উপাজহ্রুর্বনান্তেষু ধৃতরাষ্ট্রেণ চোদিতাঃ ॥১১॥
অথ পারশবীং কন্যাং দেবকস্য মহীপতেঃ ।　　রূপযৌবনসম্পন্নাং স শুশ্রাবাপগাসুতঃ ॥১২॥
ততস্তু বরয়িত্বা তামানায্য পুরুষর্ষভ ।　　বিবাহং কারয়ামাস বিদুরস্য মহামতেঃ ॥১৩॥

অদুগী তুংদা পাণ্ডুনা দিগ্‌বিজয়দগী ফংলকপ নিংথিংজরবা রত্ন পুন্নমক্তনা সত্যবতী, ভীষ্ম অমসুং মমা অম্বালিকাবু পেনহলখি ॥৩॥ শচীদেবীনা মচা জয়ন্তবু কোন্দুনা নুংঙাইখিবা অদুগুম্না, অম্বালিকাদেবীসু নিপা মরক্তগী অথোইবা মহাবীর ওইবা মচা পাণ্ডুবু কোন্দুনা নুংঙাইবা ফংখি ॥৪॥ ধৃতরাষ্ট্রনা পাণ্ডুগী পাম্বোমগী পাঙ্গন্দনা ফংলক্লবা লমশিংতনা অয়াম্বা অশ্বমেধগা মান্নরবা তর্পণনচিংবা মহাযজ্ঞ তৌখি অমসুং মরাং কাইনা দান দক্ষিনা তৌখি ॥৫॥ অদুগী তুংদা পাণ্ডুনা কুন্তী অমদি মাদ্রীগা লোয়নায়না হৈনিংদবা পূম্ব থাদোক্তুনা বনদা চংখি ॥৬॥

নুংঙাইরবা নৈকম, চেকপান, ফুবা-দোলাল, কোংফুংগী নিংথিজরবা ফিজেৎ নৈতেং পুম্নমক থাদোক্তুনা ইপুং নুংঙাইনা বনদা মৃগয়াদ চত্তুনা লৈখি ॥৭॥ হিমালয়গী খাথংবা চীংথোংদা পৃকনীং হুননবগী মশক ওইরবা লমদমদা কোয়চচ্চত্তুনা লৈখি অদুগা চীংথক্তা পাক চাওরবা চীংগু পান্থীনা থল্লবা বনদাসু মরৈথোকই ॥ ৮॥ শামু অমোম অনিগী মরক্ত, ময়ায় কারবা ঐরাবত শামুনা নীংথাইবা লৈতনা ঙাম্মোইবগুম মহারাজ পাণ্ডুনা কুন্তী মাদ্রী অনিগী মরক্ত বন অদুদা থোইনা নীংথিখি ॥৯॥ থাংজা লীরুং-তেল মাল্লবা অমদি কথচনা মশাপূম্বা কুম্নবা অমদি খুৎশু খুৎলাই থোইনা ময়েরবা কারবা পাণ্ডু নিংথৌনা ভার্য্যা অনিগা লোয়নননা বনদা কোয়চৎ চৎপদু উবদা বনবাসীশিংনা পাণ্ডুবু থাংগৈশেংনা স্বর্গগী লাইমক্তি হায়না খনখি ॥১০॥ ধৃতরাষ্ট্রনা মথৌনা লৈবা মীশিংদা পাণ্ডুগী থক-চানবা অচাপোৎ মথল মথল অমদি নিংথিজবা অকে-অমোগী পোৎচৈ পুম্নমক বন অদুদা মরক-মরক্ত থাদোক্লই ॥ ১১॥ অসিগী মতুংদা দেবক নিংথৌগী শূদ্রা ভার্য্যাগী গর্ভদা ব্রাহ্মণগী ঔরসদগী পোকপী কন্যা অমা লৈ হায়বসি ভীষ্মনা তাখি ॥ ১২॥ ভীষ্মনা কন্যা অদুবু হায়কত্তুনা অমহৎ পুরক্তুনা মহাজ্ঞানী ওইরবা বিদুরগা লোয়নননা বিবাহ তৌহনখি ॥ ১৩ ॥

তস্যাঞ্চোৎপাদয়ামাস বিদুরঃ কুরুনন্দনঃ। পুত্রান্ বিনয়সম্পন্নানাত্মনঃ সদৃশান্ গুণৈঃ ॥১৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

সম্ভবে বিদুরপরিণয়ো নামাষ্টাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:*:——

কুরুশাগেগী চাওহৎথৎপা হুংঙাইনবগী মশক ওইরবা বিদুরগী মশাগা মাম্না পুকচেল-চাওরবা নোলুকপা গুণ চেল্লবা মচায়াম্না দেবকরাজগী মচানুপীগী গর্ভদা পোকখি ॥১৪॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবদা বিদুরপরিনয় কৌবা চামগা-নিপাল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥×॥×॥

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে গান্ধারীপুত্রোৎপত্তির্নাম।

(মীরোল-নিংথৌরেল পোকপগী মতাংদা গান্ধারী পুত্রোৎপত্তি গী ৱারী)

(চামা মাপলগুবা অধ্যায়)

—:(0)—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ পুত্রশতং জজ্ঞে গান্ধার্য্যাং জনমেজয়। ধৃতরাষ্ট্রস্য বৈশ্যায়ামেকশ্চাপি শতাৎ পরঃ ॥১॥

পাণ্ডোঃ কুন্ত্যাঞ্চ মাদ্র্যাঞ্চ পঞ্চ পুত্রা মহারথাঃ। দেবেভ্যঃ সমপদ্যন্ত সন্তানায় কুলস্য বৈ ॥২॥

জনমেজয় উবাচ।

কথং পুত্রশতং জজ্ঞে গান্ধার্য্যা দ্বিজসত্তম। কিয়তা চৈব কালেন তেষামায়ুশ্চ কিং পরম্ ॥৩॥

কথঞ্চৈকঃ স বৈশ্যায়াং ধৃতরাষ্ট্রসুতোঽভবৎ। কথঞ্চ সদৃশীং ভার্য্যাং গান্ধারীং ধর্ম্মচারিণীম্।

আনুকূল্যে বর্ত্তমানাং ধৃতরাষ্ট্রোঽভ্যবর্ত্তত ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— জনমেজয়! বিদুরগী লুহোংলবগী তুংদা গান্ধারীগী গর্ভদা ধৃতরাষ্ট্রগী মচা চাম্না পোকখি অদুগা বৈশ্য নিংছোলগী গর্ভদা মচা চামা অহু নত্তবা মচা অমগা পোকখি ॥১॥ পাণ্ডুগী চাউথংমনবগী দমক দেবতা তোংজাল-তোঙানবাশিংদগী কুন্তী অমদি মাদ্রীগী গর্ভদা পাণ্ডুগী মচা মঙা পোকখি ॥২॥ জনমেজয়না হায়খি— ব্রাহ্মণ অথোইবা! মতৌ করমনা গান্ধারীগী গর্ভদা মচা চাম্না পোকখিবগে? অদুগা চহি মতম কয়া কয়াগী মতুংদা পোকখিবগে? অমগী মথোয়গী পুন্সি সম্না চহি কয়া কয়ানো? ॥৩॥ অদুগা বৈশ্য নিংছোল অদুগী গর্ভ মতৌ করমনা মচা অমা পোকখিবনো? মপুরোইবা নিংলবী ভার্য্যা গান্ধারীনা মপুরোইবগী য়াথং মতুংইন্না মতম পুম্নমক্তা চৎলি.

কথঞ্চ শপ্তস্য সতঃ পাণ্ডোস্তেন মহাত্মনা । সমুৎপন্না দৈবতেভ্যঃ পুত্রাঃ পঞ্চ মহারথাঃ ॥ ৫ ॥
এতদ্বিদ্বন্ ! যথাবৃত্তং বিস্তরেণ তপোধন ! । কথয়স্ব ন মে তৃপ্তিঃ কথ্যমানেষু বন্ধুষু ॥ ৬ ॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ক্ষুচ্ছ্রমাভিপরিগ্লানং দ্বৈপায়নমুপস্থিতম্ । তোষয়ামাস গান্ধারী ব্যাসস্তস্যৈ বরং দদৌ ॥ ৭ ॥
সা বব্রে সদৃশং ভর্ত্তুঃ পুত্রাণাং শতমাত্মনঃ । ততঃ কালেন সা গর্ভং ধৃতরাষ্ট্রাদথাগ্রহীৎ ॥ ৮ ॥
সংবৎসরদ্বয়ং তন্তু গান্ধারী গর্ভমাহিতম্ । অপ্রজা ধারয়ামাস ততস্তাং দুঃখমাবিশৎ ॥৯॥
শ্রুত্বা কুন্তীসুতং জাতং বালার্কসমতেজসম্ । উদরস্যাত্মনঃ স্থৈর্য্যমুপলভ্যান্বচিন্তয়ৎ ॥১০॥
অজ্ঞাতং ধৃতরাষ্ট্রস্য যত্নেন মহতা ততঃ । সোদরং পাতয়ামাস গান্ধারী দুঃখমূর্চ্ছিতা ॥১১॥
ততো জজ্ঞে মাংসপেশী লোহাষ্ঠীলেব সংহতা । দ্বিবর্ষসংভৃতাং কুক্ষৌ তামুৎস্রষ্টুং প্রচক্রমে ॥১২॥
অথ দ্বৈপায়নো জ্ঞাত্বা ত্বরিতঃ সমুপাগমৎ । তাং স মাংসময়ীং পেশীং দদর্শ জপতাং বরঃ ॥ ১৩ ॥
তাতোঽব্রবীৎ সৌবলেয়ীং কিমিদং তে চিকীর্ষিতম্ । সা চাত্মনো মতং সত্যং শশংস পরমর্ষয়ে ॥১৪॥

গান্ধার্য্যুবাচ ।

জ্যেষ্ঠং কুন্তীসুতং জাতং শ্রুত্বা রবিসমপ্রভম্ । দুঃখেন পরমেণেদমুদরং পাতিতং ময়া ॥১৫॥

অসিগুম্বা অবস্থাদা ধৃতরাষ্ট্রনা কবম্বা লিচৎ চৎখি ॥৪॥ মুণিগী শাপ ফংলবা মহাত্মা ওইরবা পাণ্ডু অদুগী মচা মহারথী মঙানা তোংঙাল তোংঙালবা দেবতাশিংদগী করম হায়না পোকখিবা ? ॥ ৫॥ মহাশয ! য়াম্না শন্দোক্লা মথং মনাও কায়দনা ঐগী ইফমদা লীবিয়ু। মরমদি, মুনিনা ঐগী শাগৈ নাইত্তে ইবুধৌশিং অদুগী ৱারী লীবিরকপা অসিদা তাবগী পেনবা হাযবা নাইখিদরে ॥৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি—নোংমা, বেদ ব্যাসনা লম্বী চৎপগী ৱাবনা, অরাগ খোরাংবনা ধৃতরাষ্ট্রগী মযুমদা অম্বুম লাকপদগী থুংঙ্রে, মতম অদুদা গান্ধারীনা মতিক চানা সেবা তৌই, মাহুদা বেদ ব্যাসনা গান্ধারীদা পেনখ্রুনা বর পীখি ॥ ৭॥ গান্ধারীনা ব্যাসগী মফমদগী ধৃতরাষ্ট্রগা মান্না কল্লবা গুণ চেল্লবা মচা চাম ফংজগে হায়না বরনিখি। অদুগী মতুংদা ধৃতরাষ্ট্রগী ঔরসতগী গান্ধারীনা গর্ভ পুখি ॥৮॥ গান্ধারীনা চহি অনি চুপ্না গর্ভপুখি অদুবু পোকখিদরে। অদুদা মহাক্কী পুক্লিংদা থোইদোক্লা অৱাবা পোকখি ।৯॥ অদুগী মতুংদা অনৌবা থোরকপা নুমিৎকী মতৌগুম তেজ লৈরবা মচা নিপা অমা কুন্তীগী পোকখ্রে হায়বা তাবদা অদুগা চহি অনি চুপ্না পুরবা মাগী গর্ভদি ইলেং-লেংদনা অদুম লৈবদু উবদা গান্ধারীনা খোইদোক্লা কল্লকপা নুংঙাইতবগা লোয়ননা চিন্তা তৌখি ॥১০॥ অদুগী মতুংদা গান্ধারীনা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবনা তৌহৈবা-তৌহৈদবগী জ্ঞান মাংখিহনা কন্না হোৎনহনা, ধৃতরাষ্ট্র খংহন্দনা গর্ভদু য়ৈথখি ॥১১॥ অদুদা, য়েৎ মতুমগুম্না কল্লবা শহুম অমা পোকখি। চহি অনি চুপ্না মবুক্তা পুরগা শদুম অমা পোক্লকপা অদু উবদা অশাউবা নুংঙাইতবনা গান্ধারীনা শহুম্ অদু লংথোকখ্রগে হায়না খল্লি ॥১২॥ মাসি খংলদুনা মতম অদুদা বেদব্যাস লাকখি, হেক থুংলবদা মাংস পিণ্ড অমা পোক্কনা লৈরবদু উকরে ॥১৩॥ অদুগী মতুংদা ব্যাসনা গান্ধারীদা হাযখি— মাসি নং করি তৌগে হায়না খল্দুনা তৌরুরিবনো ? গান্ধারীসু মহর্ষি অদুগী মফমদা মীনমদনা মান্না খল্লিবা অদু ইচুম-চুম্না হায়দোকরকই ॥১৪॥ গান্ধারীনা অসুম হায়খি— কুন্তীগীদি মুমিৎকা মান্না তেজ লৈরবা মচা অমা

শতঞ্চ কিল পুত্রাণাং বরো দত্তস্তয়া পুরা। ইয়ঞ্চ মাংসপেশী জাতা পুত্রশতায় বৈ ॥ ১৬॥

ব্যাস উবাচ।

এবমেতৎ সৌবলেয়ি! নৈতজ্জাত্বন্যথা ভবেৎ। বিতথং নোক্তপূর্ব্বং মে স্বৈরেম্বপি কুতোঽন্যথা ॥১৭॥
ঘৃতপূর্ণং কুণ্ডশতং ক্ষিপ্রমেব বিধীয়তাম্। সুগুপ্তেষু দেশেষু রক্ষা চৈব বিধীয়তাম্ ॥১৮॥

শীতাভিরদ্ভিরষ্ঠীলামিমাঞ্চ পরিষেচয়।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

সা সিচ্যমানা অষ্ঠীলা বভূব বহুধা তদা ॥১৯॥

অঙ্গুষ্ঠপর্ব্বমাত্রাণাং গর্ভাণাং পৃথগেব তু। একাধিকং শতং পূর্ণং যথাযোগং বিশাম্পতে! ॥ ২০ ॥
মাংসপেশ্যাস্তদা রাজন্! ক্রমশঃ কালপর্য্যয়াৎ। ততস্তাংস্তেষু কুম্ভেষু গর্ভানবদধে তদা ॥২১॥
স্বনুগুপ্তেষু দেশেষু রক্ষাং বৈ ব্যদধাত্ততঃ। শশাস চৈব ভগবান্ কালেনৈতাবতা পুনঃ ॥২২॥
উদ্ঘাটনীয়ান্যেতানি কুম্ভানীতি স সৌবলীম্। ইত্যুক্ত্বা ভগবান ব্যাসস্তথা প্রতিবিধায় চ ॥২৩॥
জগাম তপসে ধীমান হিমবন্তং শিলোচ্চয়ম্। জজ্ঞে ক্রমেণ চৈতেন তেষাং দুর্য্যোধনো নৃপ ॥২৪॥
জন্মতস্তু প্রমাণেন জ্যেষ্ঠো রাজা যুধিষ্ঠিরঃ। তদাখ্যাতঞ্চ ভীষ্মায় বিদুরায় চ ধীমতে ॥২৫॥

পোকখে, মাগী মচানা অহল এইখিবা অসিদা ঐ য়াম্না নুংঙাইতবে, অহনা ঐনা নুংঙাইতবা অমদি শাউখিবনা ভাইঙমদ্রবনা গর্ভ অসি ইশামক্না লৌথোকচকরবনি ॥১৫॥ মুনিমক্না ঐঙোন্দা নচা চামা পোকচে হায়না বর পীবিখি, অদুবু ইচা চামগী মহৎতা শদুম অমা পোক্লে ॥১৬॥ ব্যাসনা হায়খী—সুবলগী মচানুপী! মাদু অচুম্বনি, অদুদা ঐনা পীখিবা বরদি অরেম্বদা থক মাংবা য়ারোই। করিনা হায়রবু, মমাংঙৈদা ঐনা নিংলকপা হায়দোকখিবা মতমদসু মীনম্বা চাযখদে, মবম অহনা বর অসি করম্না অরেম্বা ওইগনি? ॥১৭॥ মরম অদুনা চফু চামথক ঘী থম্না-থম্না হাপ্লুনা থম্মু, চফুশিং অদু তোংঙাল-তোংঙালনা য়াম্না চেকশিন্না থম্মু ॥১৮॥

অদুগা ঈশিং অয়িংবনা মাংস পিণ্ড অদুবু খিক্লুনা থম্মু। বৈশম্পায়নন হায়খি— মতৌ অসুম ঐনা ব্যাসনা হায়বা মতুং ইন্না ঈশিংনা অসুম খিক্লুনা থম্লবদা মাংসপিণ্ড অদু মশুং কয়া থোক্না কায়খি ॥১৯॥ মহারাজ! মতমগী মতুং ইন্না মাংসপিণ্ডশিং অদুদগী থুবী-থুবীমুক্কী চাউবা গর্ভ মচা মচা লোংঙাক-লোংঙাক থোরকখি, গান্ধারীনা থোরকইবা মখোয়শিং অদু, হেক থোরক-থোরকপগা মীনা থম্লবা চফুশিং অদুদা থাদখি ॥২০—২১॥ অসুম থমদুনা মীনা উদ-থংলবা মকম্দা, য়াম্না ঙাকসিন্না চফুশিং অদু থমজিনখরে। মতম অদুদা বেদ ব্যাসনা গান্ধারীদা অসুম হায়না উপদেশ পীখি— চহি অমা হেক মায়রা তুংদা চফুশিং অসিগী মথুম হাংদোকজরোগনি। অসুম হায়দুনা অমদি চফুশিং অদুবু থমজরমলগা বেদ ব্যাসসু তপস্যা তৌগে হায়দুনা হিমালয় চীংথোংতাম্না চৎখি। অদুগী মতুংদা মমাংশিংনা ইন্না হানবদা নিংথৌ দুর্য্যোধন পোকখি ॥২২—২৪॥ মরম অসিনা পোকপগী মতুং ইন্না যুধিষ্ঠিরনা মমাম্বা অহল ওইখি। অদুগী মতুংদা কনাগুম্বা নিপা অমনা চৎখিবনা, গুরুমাইগী মচা পোকপগী পাও অসি ভীষ্ম অমসুং বিদুরগী মফমদা তমখি ॥২৫॥

যস্মিন্নহনি দুর্দ্ধর্ষো জজ্ঞে দুর্য্যোধনস্তদা। তস্মিন্নেব মহাবাহুর্জজ্ঞে ভীমোঽপি বীর্য্যবান্ ॥২৬॥
স জাতমাত্র এবাথ ধৃতরাষ্ট্রসুতো নৃপ!। রাসভারাবসদৃশং ররাব চ ননাদ চ ॥২৭॥
তং খরাঃ প্রত্যভাষন্ত গৃধ্রগোমায়ুবায়সাঃ। বাতা বিপ্রববুশ্চাপি দিগদাহশ্চাভবত্তদা ॥২৮॥
ততস্তু ভীতবদ্রাজা ধৃতরাষ্ট্রোঽব্রবীদিদম্। সমানীয় বহূন্ বিপ্রান্ ভীষ্মং বিদুরমেব চ।
অন্যাংশ্চ সুহৃদো রাজন্! কুরূন্ সর্বাংস্তথৈব চ ॥২৯॥
যুধিষ্ঠিরো রাজপুত্রো জ্যেষ্ঠো নঃ কুলবর্দ্ধনঃ। প্রাপ্তঃ স্বগুণতো রাজ্যং ন তস্মিন্ বাচ্যমস্তি নঃ ॥৩০
অয়ন্ত্বনন্তরস্তস্মাদপি রাজা ভবিষ্যতি?। এতৎ প্রব্রূত মে তথ্যং যদত্র ভবিতা ধ্রুবম্ ॥৩১॥
বাক্যস্যৈতস্য নিধনে দিক্ষু সর্ব্বাসু ভারত!। ক্রব্যাদাঃ প্রাণদন্ ঘোরাঃ শিবাশ্চাশিবশংসিনঃ ॥৩২॥
লক্ষয়িত্বা নিমিত্তানি তানি ঘোরাণি সর্বশঃ। তেঽব্রুবন্ ব্রাহ্মণা রাজন্! বিদুরশ্চ মহামতিঃ ॥৩৩॥
যথেমানি নিমিত্তানি ঘোরাণি মনুজাধিপ!। উত্থিতানি সুতে জ্যেষ্ঠে জাতে চ পুরুষর্ষভ! ॥৩৪॥
ব্যক্তং কুলান্তকরণো ভবিতৈষ সুতস্তব। তস্য শান্তিঃ পরিত্যাগে গুপ্তাবপনয়ো মহান্ ॥৩৫॥
শতমেকোনমপ্যস্তু পুত্রাণাং তে মহীপতে!। ত্যজৈনমেকং শান্তিঞ্চেৎ কুলস্যেচ্ছসি ভারত!।
একেনৈব কুরু ক্ষেমং কুলস্য জগতস্তথা ॥৩৬॥

লাকণ্ডংফাওমদ্রবা দুর্য্যোধন অসি পোকখিবা নুমিৎ অদুমক্তদা মহাবাহু ওইবা অমসুং য়াম্না মপাঙ্গোম বল্লবা ভীমসু পোকখি ॥২৬॥ মহারাজ! ধৃতরাষ্ট্রগী মচা অসি হেক পোকপদা লোলানা খোংবগুম্না অয়াকপা খোঙ্গেম্না কপখি ॥২৭॥ অদুম্বা খোঙ্গেল অদু হেক তাবদা লোলা, লাংঙ্গা, লমহুই অমদি ক্বাকনাচিংবনা খোংখি, অকনবা নুংশিংশিংখি, অমসুং মাইকৈ চাকখি ॥২৮॥ মাহুদা ধৃতরাষ্ট্রনা কিহুনা, অয়াম্বা ব্রাহ্মণশিং, ভীষ্ম, বিদুর, অতোপ অতোপ্পা মরূপ মপাং পুম্নমক অমদি কুরুবংশগী অথোইব পুম্নমকপু কৌরগা য়া অসি তমখি ॥২৯॥ ঐখোইগী শাগৈ চাওখৎননবগী মশক ওইরবা যুধিষ্ঠিরনা মশাগী গুণতনা লৈপাক্তি ফংলবগুম্বনি, অদুনা মহাক্কী মরমদদি কবিশু খন্নফম অমদি হংফম লৈত্রে ॥৩০॥ অদুগা ঐগী ইচা নিপা অসিনা, যুধিষ্ঠিরগী তুংদদি নিংথৌ ওইব য়াগনিদনকো? বিষয় অসিদা লেপ্পগদৌবা অদুময়াম্না মুম্না খন্নরগা শোযরোইদৌবা অচুম্বা অমদি হায়দোকপিহৌ ॥৩১॥ ধৃতরাষ্ট্রনা য়াশিং অসি হায়বা হেক লোয়রমক্তদা শাহিং চাবা, অকিবগী মশক ফংলবা শা ওাশিংবা অমঙ্গলগী মশক ওইরব মখোম্না মাইকৈ মরি পৃথনিন নিম্না খোংনখি ॥৩২॥ মাইকৈ মরিমক্তা অকিবগী মশক ফংলবা ফত্রব থুদম পুম্নমক অদু উবদা ব্রাহ্মণশিংনা অমদি বিদুরনা হায়খি ॥৩৩॥ মহারাজ! নচা-ইবুংঙো অসি হেক পোকপদা, অকিবগী মশক ওইরব ফত্রবা থুদম য়াম্না উবা ফংলে, অদুনা নচা-ইবুঙো অসিনা শাগৈ পূম্বা মাংননবগী অথোইবা মরম অমা ওইরগদৌরি। অদুনা মাসিবু হৌজিক্লা থ'দোকহৌরবদি শাগৈতুম্না মাংগদৌরিবসি থিংহৌবা য়ানা লৈ। অদু নত্তদনা ইচা-ইবুংঙো অসিবু হেক ময়েক্লবদি য়ামনা অকিব ফংবা অমাংবা অমদি ওইগদৌরি ॥৩৪-৩৫॥ অদুনা মহারাজ! নচা চামদগী অমতংদদি মরাৎলসয়। শাগৈ পূম্বগী অফবা, মঙ্গল ওইবতবু খনবিরবদি নচা সিমদি থাদোকপিয়ু; অসিগুম্বা থবকসিমক্তনা শাগৈ পূম্বগী অমদি জগৎকী মঙ্গল ওইনবা তৌবিহৌ ॥৩৬॥

ত্যজেদেকং কুলস্যার্থে গ্রামস্যার্থে কুলং ত্যজেৎ। গ্রামং জনপদস্যার্থে আত্মার্থে পৃথিবীং ত্যজেৎ ॥৩৭॥

স তথা বিদুরেণোক্তস্তৈশ্চ সর্ব্বৈর্দ্বিজোত্তমৈঃ। ন চকার তথা রাজা পুত্রস্নেহসমন্বিতঃ ॥৩৮॥

ততঃ পুত্রশতং পূর্ণং ধৃতরাষ্ট্রস্য পার্থিব। মাসমাত্রেণ সংজজ্ঞে কন্যা চৈকা শতাধিকা ॥৩৯॥

গান্ধার্য্যাং ক্লিশ্যমানায়ামুদরেণ বিবর্দ্ধতা। ধৃতরাষ্ট্রং মহারাজং বৈশ্যা পর্য্যচরৎ কিল ॥৪০॥

তস্মিন্ সংবৎসরে রাজন্! ধৃতরাষ্ট্রান্মহাযশাঃ। জজ্ঞে ধীমাংস্ততস্তস্যাং যুযুৎসুঃ করণো নৃপ! ॥৪১॥

এবং পুত্রশতং জজ্ঞে ধৃতরাষ্ট্রস্য ধীমতঃ। মহারথানাং বীরাণাং কন্যা চৈকা শতাধিকা।

যুযুৎসুশ্চ মহাতেজা বৈশ্যাপুত্রঃ প্রতাপবান্ ॥৪২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

সম্ভবে গান্ধারীপুত্রোৎপত্তির্নাম নবাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:*—

মরমদি মী অমা লৈবনা বংশ অম মাংগদোব লৈববদি বংশ অদুগী দমক মী অমতংদু থাদোক্কদবনি। বংশ অম লৈবনা খুল অম মাংগদোবা লৈরবদি খুল অদু ভাক্কনবগীদমক বংশ অদুবুসু থাদোক্কদবনি। খুল অহুমা লৈবদগী লৈপাক অম মাংগদবা লৈরবদি, খ ল অহুবুসু থাদোকদবনি নত্রগা তাম্থোক্কদৌবনি। অদুগা ইশা (আত্মা) গী বু কান্নগনি হায়ববদি পৃথিবী মকপুসু থাদোক্কদবনি ।৩৭॥ বিদুর অমদ ব্রাহ্মণশিংনা অসুম হায়রফাওবদা মচা মুংশিবনা হ্নারবা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রনা মাহ তৌখিদ্রে ॥৩৮॥ মহারাজ! অদুগী মতুংদা থা অমগী মনুংদা ধৃতরষ্ট্রগী মচা চাম অমতা হ্নাহনা পোকখি, চাম অদুগী মথক্ত মচানুপী অমসু ইবোন বোম্না পোকখি।৩৯॥ মমাংথৈদা, গর্ভ অদুনা থা খুদিংগী অসুম অসুম হেনগৎলক্লবদা গান্ধারীনা মবুক লুম্বনা তুমিন্না লেংদনা তাদুনা লৈরবদা বৈশ্য জাতিগী যুবতি অমনা গান্ধারীগী অসুম সেবা তৌদুনা লৈ ॥৪০॥ বৈশ্যাযুবতি অদুগী গর্ভদা ধৃতরাষ্ট্রগী ঔরসদগী "যুযুৎসু" হায়না কৌবা করণ জাতিগী শিংলবা মচা নিপা অম চহি তদুমক্কীমনুংদা পোকখি ।।৪১।। মতৌ অসুমনা ধৃতরাষ্ট্রগী মচা চাম পোকখি, মখেয পুম্না মতমগী মতুংইন্না মথং মথং অচৌবা মহারথী অমমম ওইখি, অদুগা মচা চামদুগী মথক্তা মুপী অমসু পোকখি অহুগা বৈশ্য নিংগোল অদুগী গর্ভদা য়াম্না তেজ লৈরবা শুকল-পাঙ্গল্লবা যুযুৎসু কৌবা মচা অমসু চামহুগী মথক্তা পোকখি ।।৪২।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা সম্ভবদা গান্ধারী পুত্রোৎপত্তি কৌবা চামগা মাপল শুবা অধ্যায লোইবে।। ×।, × ।।

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে দুঃশলোৎপত্তির্নাম।

(মীয়োল-নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা দুঃশলোৎপত্তি কৌবগী ৱারী)

(চামা তরা শুবা অধ্যায়)

—.(0)—

জনমেজয় উবাচ।

ধৃতরাষ্ট্রস্য পুত্রাণামাদিতঃ কথিতং ত্বয়া। ঋষেঃ প্রসাদাত্তু শতং ন চ কন্যা প্রকীর্ত্তিতা ॥১॥

বৈশ্যাপুত্রো যুযুৎসুশ্চ কন্যা চৈকা শতাধিকা। গান্ধাররাজদুহিতা শতপুত্রেতি চানঘ! ॥২॥

উক্তা মহর্ষিণা তেন ব্যাসেনামিততেজসা। কথং ত্বিদানীং ভগবন্! কন্যাং জাতাং ব্রবীষি মে ॥৩॥

যদি ভাগশতং পেশী কৃতা তেন মহর্ষিণা। ন প্রজাস্যতি চেদ্ভূয়ঃ সৌবলেয়ী কথঞ্চন ॥৪॥

কথং তু সম্ভবস্তস্যা দুঃশলায়া বদস্ব মে। যথার্হমিহ বিপ্রর্ষে! পরং মেঽত্র কুতূহলম্ ॥৫॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

সাধ্বয়ং প্রশ্ন উদ্দিষ্টঃ পাণ্ডবেয়! ব্রবীমি তে। তাং মাংসপেশীং ভগবান্ স্বয়মেব মহাতপাঃ ॥৬॥

শীতাভিরদ্ভিরাসিচ্য ভাগং ভাগমকল্পয়ৎ। যো যথা কল্পিতো ভাগস্তং তং ধাত্র্যা তথা নৃপ! ॥৭॥

ঘৃতপূর্ণেষু কুণ্ডেষু একৈকং প্রাক্ষিপত্তদা। এতস্মিন্নন্তরে সাধ্বী গান্ধারী সুদৃঢ়ব্রতা ॥৮॥

দুহিতুঃ স্নেহসংযোগমনুধ্যায় বরাঙ্গনা। মনসাচিন্তয়দ্দেবী এতৎ পুত্রশতং মম ॥৯॥

জনমেজয়না হায়খি :— মহর্ষি! ব্যাসগী কৃপাদগী ধৃতরাষ্ট্রগী মচা চাম পোকখি হায়বসি লীবিখ্রে, অদুগা মচানুপী অম পোকখিবদুগী ৱারীদি লীবিখিদ্রে ॥১॥ অদুগী মতুংদা বৈশ্য নিংোলদা পোকখিবা মচাগী বিষয়দাসু থোইদোকপা য়েংনফম চিংনফম লৈত্রে। অদুদা, মচা চামদগী হেন্না মচা নুপী অমসু পোকখি হায়বিখ্রে, মাসিগী মতাংদা হন্নিংবা-খংনীবা খর লৈরি। মহর্ষি ব্যাসনা গান্ধারীদা নংগী নচা চাম পোকনি হায়খি। অদুদা মহর্ষিনা লীবিরিবসিদি মচানুপী অমসু য়াওরি হায়বিরি; অদুনদি হোনরিবসিদি করন হায়না মেনশিনগনি? ॥২-৩॥ করিমরম্না হায়রবু, বেদব্যাসনা গান্ধারীনা পোকপা শদুম অদুবু মচেৎ চামতা থোক্না থুগাইরবা অদুগা গান্ধারীনসু অতোপ্পা মচা অম অমুক মপোকখিত্রবা অদু ওইরবদি দুঃশলা কৌবী মচা নুপীদুমনা করম হায়না পোকখিবনো? বিষয় অসিদা মতিক চাবা পাওখুম পীবিয় করিনা হায়রবু, মতাং অসি ঐ য়াম্না মুন্ন খংজনীংলে ॥৪-৫॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি :— পাণ্ডুশাগেগী অথোইবা! হংব য়াবা থকম অম হংবিরে, মাসিগী মতিক চাবা পাওখুম ওইনা ৱারী অসি তাবিয়ু। মহর্ষি ব্যাসনা মহাক্না মাংসপিণ্ড অদুবু ঈশিং অইংবনা চাইর-চাইরদুনা মতুপ মচা তোক্তাল-তোক্তায়া থায়দোকখি। ককথং ককথংলকপা মতুপ মচেৎশিং অদু অমমম ওইনা ধাত্রীনা ঘীগী চফুদা তোক্তাল তোক্তায়া হেক হেক থাদে। মতম অসিদা সতী গান্ধারী

ভবিষ্যতি ন সন্দেহো ন ব্রবীত্যন্যথা মুনিঃ। মমেয়ং পরমা তুষ্টির্দুহিতা মে ভবেদ্যদি ॥১০॥
একা শতাধিকা বালা ভবিষ্যতি কনীয়সী। ততো দৌহিত্রজাল্লোকাদবাহ্যোহসৌ পতির্মম ॥১১॥
অধিকা কিল নারীণাং প্রীতির্জামাতৃজা ভবেৎ। যদি নাম মমাপি স্যাদ্দুহিতৈকা শতাধিকা ॥১২॥
কৃতকৃত্যা ভবেয়ং বৈ পুত্রদৌহিত্রসংবৃতা। যদি সত্যং তপস্তপ্তং দত্তং বা যদিবা হুতম্ ॥১৩॥
গুরবস্তোষিতা বাপি তথাস্তু দুহিতা মম। এতস্মিন্নেব কালে তু কৃষ্ণদ্বৈপায়নঃ স্বয়ম্ ॥১৪॥
বিভজ্য তাং তদা পেশীং ভগবানৃষিসত্তমঃ। গণয়িত্বা শতং পূর্ণমংশানামাহ সৌবলীম্ ।১৫॥

ব্যাস উবাচ।

পূর্ণং পুত্রশতং ত্বেতন্ন মিথ্যা বাগুদাহৃতা। দৈবযোগাদ্ভাগ একঃ পরিশিষ্টঃ শতাৎ পরঃ ॥১৬॥
এষা তে সুভগা কন্যা ভবিষ্যতি যথেপ্সিতা। ততোঽন্যং ঘৃতকুম্ভঞ্চ সমানায্য মহাতপাঃ ॥১৭॥
তঞ্চাপি প্রাক্ষিপত্তত্র কন্যাভাগং তপোধনঃ। সম্ভূতা সৈহ কালেন সর্ব্বেষাঞ্চ যবীয়সী ॥১৮॥
এতত্তে কথিতং রাজন্! দুঃশলাজন্ম ভারত। ব্রূহি রাজেন্দ্র! কিং ভূয়ো বর্ত্তয়িষ্যামি তেঽনঘ ॥১৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি সম্ভবে দুঃশলোৎপত্তির্নাম দশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—: *:—

দেবীনা মচাম্নুপী কন্যা হায়বত্তুগী মফমদা মুংশিবা হাযবত্তু ফংনিংতুনা তাঙ্গা অহৃদা অস্নম হাযনা হেক খনখি:— 'ঐগী ইচা নিপা চাম পোক্কনি হাযবসিদদি কবিমতা চিংনফম লৈক্তে, মরমদি ব্যাসনা হায়খিবা ঋা খক মীনম্ব ওইবোই। অসিগী মথক্ত ইচা মুপী কন্যা অমতংদগা পোক্লবদি ওস্তোক্লা মুংভ্রাইখ্রগনিদকো! ।৬ ১০॥ ঐগী ইচা চামসিগী মথক্তা ইচাম্নুপী অতোনবী অমতংগা পোক্লবদি ঐগী ইপুরোইবসিস্থ মচাম্নুপীনা পোকপা মশু ফংজবদগী লোক কোবা স্বর্গ অদগী খক ম্বাংম লান্ন লৈররোই।১১॥ মুপী হাযবসিনা মচা নিপা মক্তগী ময়বু ফংজবগী উজবগী মুংভ্রাইজবনা হেল্লি। মরম অহৃনা ঐগীস্থ ইচা নিপা চামসিগী মথক্তা ইচা মুপী অমতংগা য়াওরকলবদি ইচাশিং অমদি ইচা মুপীনা পোকপা ইশুশিংনা পূমকোয় কোযশিন্দুনা মুংভ্রাইবস্থ ফংস্থনা পোকপগী মহৈ য়ানগদবনিদকো! অহৃনা, ঐনা অচুম্বতবু ভাক্লক্লবা, তপস্যাবু থরদং তৌজখ্রবা, দান যজ্ঞনচিংবা থবদং তৌজখিবা লৈরবা গুরুজনসিংগী সেবা কায়দনামক্ত তৌজখ্রবা অহবু ওইরবদি মাহুগী মহৈনা ইচাম্নুপী অমতং পোকচবা ওইসনু। অহুম হাযনা থল্লিঙে মতমদা ভগবান্ ব্যাসনা শতুম অত্ত চাম থোক্লা থুগাইবা লোইরত্তুনা, চপ চানা অমতা ম্বাত্তনা মশাং থীয়না গান্ধারীদা হায়খি ॥১২—১৫॥ বেদব্যাসনা হায়খি।— ইবেম্মা! শরুক মচেং চাম অসিদগী মংগী মচানিপা চাম পোক্লকনি। ঐ মীনম্বা খক ভাংখিদ্রবনি। অহুবু ম্যাইদী নোঙমদগী শকক চামথোক্লা থায়দোকখ্রবা তুং অসিদা মচেং থজিকংদি লেমহৌরে ॥১৬॥ অসিনা অদুনা পামজরিবা কন্যা অদো শোযদনা পোক্লগনি। অস্নম হায়ত্তুনা মহর্ষি ব্যাসনা থী ত্রুবু অম পুংনিক্ত হনক্রনা মাত্তুগী মনংদা কন্যা ওইরকনবগী শকক মচেং অদো থাদখ্রে। মরম অহুনা মচানিপা অমত্ত পোকলবা তুংদা মচানুপী দম পোকখি ॥১৭-১৮॥ মহারাজ! মহারাজগী নফমদা দুঃশলা পোকপগী মঙ্গাং তাকখ্রনি। হৌজিক অমুক হায়বিরো, মথং কয়ি অম অমুক লীজো হায়বগে? ॥১৯॥

অস্তুং অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা সম্ভবপর্ব্বগী কোবা চামগা তরা শুবা অধ্যায় লোইরো।

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে ধৃতরাষ্ট্রপুত্রনামকথনং

(মীয়োল—নিংথৌয়োল পোকপগী মতাংদা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংগী মমিং লৌখবগী ৱারী)

(চামা তরামথোই শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

জনমেজয় উবাচ।

জ্যেষ্ঠানুজ্যেষ্ঠতাং তেষাং নামানি চ পৃথক্ পৃথক্। ধৃতরাষ্ট্রস্য পুত্রাণামানুপূর্ব্ব্যেণ কীর্ত্তয় ॥ ১ ॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

দুর্য্যোধনো যুযুৎসুশ্চ রাজন্! দুঃশাসনস্তথা। দুঃসহো দুঃশলশ্চৈব জলসন্ধঃ সমঃ সহঃ ॥ ২ ॥

বিন্দানুবিন্দৌ দুর্দ্ধর্ষঃ সুবাহুর্দুষ্প্রধর্ষণঃ। দুর্ম্মর্ষণো দুর্ম্মুখশ্চ দুষ্কর্ণঃ কর্ণ এব চ ॥৩॥

বিবিংশতির্বিকর্ণশ্চ শলঃ সত্ত্বঃ সুলোচনঃ। চিত্রোপচিত্রৌ চিত্রাক্ষশ্চারুচিত্রঃ শরাসনঃ ॥৪॥

দুর্ম্মদো দুর্বিগাহশ্চ বিবিৎসুর্বিকটাননঃ। ঊর্ণনাভঃ সুনাভশ্চ তথা নন্দোপনন্দকৌ ॥৫॥

চিত্রবাণশ্চিত্রবর্ম্মা সুবর্ম্মা দুর্বিলোচনঃ। অয়োবাহুর্ম্মহাবাহুশ্চিত্রাঙ্গশ্চিত্রকুণ্ডলঃ ॥৬॥

ভীমবেগো ভীমবলো বলাকী বলবর্দ্ধনঃ। উগ্রায়ুধো ভীমকর্ম্মা কনকায়ুর্দৃঢ়ায়ুধঃ ॥ ৭ ॥

দৃঢ়বর্ম্মা দৃঢ়ক্ষত্রঃ সোমকীর্ত্তিরনূদরঃ। দৃঢ়সন্ধো জরাসন্ধঃ সত্যসন্ধঃ সদঃ সুবাক্ ॥৮॥

উগ্রশ্রবা উগ্রসেনঃ সেনানীর্দুষ্পরাজয়ঃ। অপরাজিতঃ কুণ্ডশায়ী বিশালাক্ষো দুরাধরঃ ॥৯॥

দৃঢ়হস্তঃ সুহস্তশ্চ বাতবেগসুবর্চ্চসৌ। আদিত্যকেতুর্বহ্বাশী নাগদত্তোঽগ্রযায্যপি ॥১০॥

কবচী ক্রথনঃ কুণ্ডী দণ্ডধারো ধনুর্দ্ধরঃ। উগ্রভীমরথৌ বীরো বীরবাহুরলোলুপঃ ॥১১॥

অভয়ো রৌদ্রকর্ম্মা চ তথা দৃঢ়রথাশ্রয়ঃ। অনাধৃষ্যঃ কুণ্ডভেদী বিরাবী দীর্ঘলোচনঃ ॥১২॥

প্রমথশ্চ প্রমাথী চ দীর্ঘরোমশ্চ বীর্য্যবান্। দীর্ঘবাহুর্ম্মহাবাহুর্ব্যূঢোরাঃ কনকধ্বজঃ ॥১৩॥

জনমেজয়না হায়খি।— অহল-নহা মথংমনাও কায়দনা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিং অদুগী মমিং অমুক্ত হায়থবিরকউ মুনি। ১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি :— মহারাজ - মথংমনাও নাইনা হায়থজরক্কে—দুর্য্যোধন, যুযুৎসু, দুঃশাসন, দুঃশল, জলসন্ধ, সম, সহ ॥২॥ বিন্দ, অনুবিন্দ, দুর্দ্ধর্ষ, সুবাহু, দুষ্প্রধর্ষণ, দুর্ম্মর্ষণ, দুর্ম্মুখ, দুষ্কর্ণ, কর্ণ, ॥৩॥ বিবিংশতি, বিকর্ণ, শল, সত্ত্ব, সুলোচন, চিত্র, উপচিত্র, চিত্রাক্ষ, চারুচিত্র, শরাসন ॥৪॥ দুর্ম্মদ, দুর্বিগাহ, বিবিৎসু, বিকটানন, ঊর্ণনাভ, সুনাভ, নন্দ, উপনন্দক ॥৫॥ চিত্রবাণ, চিত্রবর্ম্মা, সুবর্ম্মা, দুর্বিলোচন, অয়োবাহু, মহাবাহু, চিত্রাঙ্গ, চিত্রকুণ্ডল ॥৬॥ ভীমবেগ, ভীমবল, বলাকী, বলবর্দ্ধন, উগ্রায়ুধ, ভীমকর্ম্মা, কনকায়ু, দৃঢ়ায়ুধ ॥৭॥ দৃঢ়বর্ম্মা, দৃঢ়ক্ষত্র, সোমকীর্ত্তি, অনুদর, দৃঢ়সন্ধ, জরাসন্ধ, সত্যসন্ধ, সদ, সুবাক্ ॥৮॥ উগ্রশ্রবা, উগ্রসেন, সেনানী, দুষ্পরাজয়, অপরাজিত, কুণ্ডশায়ী, বিশালাক্ষ, দুরাধর ॥৯॥ দৃঢ়হস্ত, সুহস্ত, বাতবেগ, সুবর্চ্চা, আদিত্যকেতু, বহ্বাশী, নাগদত্ত, অগ্রযায়ী ॥১০॥ কবচী, ক্রথন, কুণ্ডী, দণ্ডধার, ধনুর্দ্ধর, উগ্র, ভীমরথ, বীরবাহু, অলোলুপ ॥১১॥ অভয়, রৌদ্রকর্ম্মা, দৃঢ়রথ, চয়, অনাধৃষ্য, কুণ্ডভেদী, বিরাবী, দীর্ঘলোচন ॥১২॥ প্রমথ, প্রমাথী,

কুণ্ডাশী বিরজাশ্চৈব দুঃশলা চ শতাধিকা। ইতি পুত্রশতং রাজন্! কন্যা চৈব শতাধিকা।
নামধেয়ানুপূর্ব্যেণ বিদ্ধি জন্মক্রমং নৃপ! ॥১৪॥
সর্বে অতিরথাঃ শূরাঃ সর্বে যুদ্ধবিশারদাঃ। সর্ব্বে বেদবিদশ্চৈব সর্বে সর্বাস্ত্রকোবিদাঃ ॥১৫॥
সর্বেষামনুরূপাশ্চ কৃতা দারা মহীপতে! ধৃতরাষ্ট্রেণ সময়ে পরীক্ষ্য বিধিবন্নৃপ! ॥১৬॥
দুঃশলাঞ্চাপি সময়ে ধৃতরাষ্ট্রো নরাধিপঃ। জয়দ্রথায় প্রদদৌ বিধিনা ভরতর্ষভ! ॥১৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সম্ভবে ধৃতরাষ্ট্রপুত্রনামকথনং নামৈকাদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(০):——

দীর্ঘরোম, দীর্ঘবাহু, মহাবাহু ব্যূঢোরা, কনকধ্বজ ॥১৩॥ কুণ্ডাশী, বিরাজা, অদুগা মথোয় চামসিগা দুঃশলা হায়বীসিমগা চামগা অমনি। অদুনা ধৃতরাষ্ট্রগী মচা নিপা চামসিগা অম থোইরিবসিগা চামগা অমনি অহন নহা মথংমনাঙ কায়দনা মমিংশিং অসি থংবিয়ু ॥১৪॥ পুম্নমক অসি লালদা হৈংশিংলবা মহারথী মক্তনি। পুম্নমক অসি বেদ থংলগা, শাস্ত্র অয়াম্বা হৈরবঙাক্নি ॥১৫॥ মহারাজ! ধৃতরাষ্ট্রনা মুম্না থন্দুনা, মচাশিং অদুগী লমচৎ ব্যবহার লোইনা পরীক্ষা তৌদুনা মথোয পুম্নমকপু মতম চানা চানা মতিক চার-চারবী রাজকন্যাশিংগা লোয়ননা শাস্ত্রবিধি কাযদনা লুহোংহনখি ॥১৬॥ দুঃশলা কৌবী মচানুপীবুসু মতম চানা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রনা বিধি কায়দনা জয়দ্রথগী মক্‌মদা বিবাহ তৌদুনা পীখি ॥১৭॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা সম্ভবতা ধৃতরাষ্ট্রপুত্রনামকথন কৌবা চাম তরামথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥ × ॥

——•:(*):•——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে পাণ্ডুমৃগশাপো নাম।

(মীরোল-নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা পাণ্ডুনিংথৌবু শজিনা শাপ তৌবগী ৱারী)
(চামা তরাম্নিথোই শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

জনমেজয় উবাচ।

কথিতো ধার্ত্তরাষ্ট্রাণামার্ষঃ সম্ভব উত্তমঃ। অমনুষ্যো মনুষ্যাণাং ভবতা ব্রহ্মবাদিনা ॥১॥

জনমেজয়না হায়খি :— ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা ঋষিগী শক্তিদগী পোকখিবা মপোক অদু মুনিদেবনা হীখিরে। পোকখিবা মপোক অদুদি মীওইবগী মকমদদি ওইথোক্তবনি অদুমকপু ব্যাসগী তপস্যাগী

নামধেয়ানি চাপ্যেষাং কথ্যমানানি ভাগশঃ। ত্বত্তঃ এতানি বৈ ব্রহ্মন্! পাণ্ডবানাঞ্চ কীর্ত্তয় ॥২॥
তে হি সর্ব্বে মহাত্মানো দেবরাজপরাক্রমাঃ। ত্বয়ৈবাংশাবতরণে দেবভাগাঃ প্রকীর্ত্তিতাঃ ॥৩॥
তস্মাদিচ্ছামাহং শ্রোতুমতিমানুষকর্ম্মণাম্। তেষামাজননং সর্ব্বং বৈশম্পায়ন! কীর্ত্তয় ॥৪॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

রাজা পাণ্ডুর্মহারণ্যে মৃগব্যালনিষেবিতে। চরন্ মৈথুনধর্ম্মস্থং দদর্শ মৃগযূথপম্ ॥৫॥
ততস্তাঞ্চ মৃগীং তঞ্চ রুক্মপুঙ্খৈঃ সুপত্রিভিঃ নির্ব্বিভেদ শরৈস্তীক্ষ্ণৈঃ পাণ্ডুঃ পঞ্চভিরাশুগৈঃ ॥৬॥
স চ রাজন্! মহাতেজা ঋষিপুত্রস্তপোধনঃ। ভার্য্যয়া সহ তেজস্বী মৃগরূপেণ সঙ্গতঃ ॥৭॥
সংসক্তস্তু তয়া মৃগ্যা মানুষীমীরয়ন গিরম্। ক্ষণেন পতিতো ভূমৌ বিললাপাকুলেন্দ্রিয়ঃ ॥৮॥

মৃগ উবাচ।

কামমন্যুপরীতা হি বুদ্ধ্যা বিরহিতা অপি। বর্জ্জয়ন্তি নৃশংসানি পাপেষ্বভিরতা নরাঃ ॥৯॥
ন বিধিং গ্রসতে প্রজ্ঞা প্রজ্ঞান্তু গ্রসতে বিধিঃ। বিধিপর্য্যাগতানর্থান্ প্রজ্ঞাবান্ প্রতিপদ্যতে ॥১০॥
শশ্বদ্ধর্ম্মাত্মনাং মুখ্যে কুলে জাতস্য ভারত!। কামলোভাভিভূতস্য কথং তে চলিতা মতিঃ ॥১১॥

শক্তিদগী ওইথোকতবহু থোকখে, হায়বসি ব্রহ্মবাদী ওইবা মুনিদেবনন্থু হাযবিরে।।১।। অসিগী মতুংদা মুনিদেবনা মথোয় পুন্নমক্কী মমিংশিংসু মথং মনাও নাইনা হায়বিরে, মাদু পুম্বা ঐন্থু তাজরে! হৌজিক্তি মাসিগী মথংদা পাণ্ডবশিংগী মপোক্কী ম্বারী লীবিরো ।।২।। মরমদি,— পাণ্ডবশিং পুন্নমক অহুদি মহাত্মা অমদি অমমম্না ইন্দ্রগা মান্নবা কল্লবা ঙাক্তুনি। মুনিদেবনস্থু অংশাবতারগী মতাং লীবিব মতমদসু মথোয়দি দেবতাশিংগী অংশ পুহনা মর্ত্ত্যলোকতা পোক্লবা ঙাক্কনি হায়নস্থু লীবিখি ।।৩।। মরম অদুনা মীনা পাক-হেক ঙমদবা থবক্ত তৌরবা পাণ্ডবশিং অদুগী মপোক্কী ম্বারী পুন্নমক অদু যাম্না তাজনীংঙি, মুনিদেবনা মাদু হায়বিয়ু ॥৪॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— নোংম, পাণ্ডুনা শজী-শাঙাইং শা-কৈনা থল্লবা অচৌবা বন অমদা অহুম চংলিঙৈদা শজী অমোমগা শন্নদুনা লৈরম্বা শজী সঙ্গুগী অথোইবা লুচিংবা শজী অমা উকরে ॥৫॥ অদুগী মতুংদা তেনজৈদা শনানা হাজং য়েরবা; ফজরবা তেনা য়াওরবা থৌরবা তেল মঙানা শজী লাবা অমোম অনিগুবু পাণ্ডুনা কাপ্তুনা থাখি ॥৬॥ অহগা মহারাজ! তৌবদি, কনাগুম্বা তেজ লৈরবা ঋষি মচা অমনা শজী লাবগী মশক লৌরহনা শজী অমোমগী মশক লৌরবী মহাক্কী ভার্য্যাগা লোয়ননা বন অহদা উনরম্বনি ॥৭॥ শজী-মশক লৌরবা ঋষিগী মচা অহু শজী-মশক লৌরিবী ভার্য্যাগা অদুগুম্বা অবস্থাদা লৈরিঙৈদা তেল অদুনা পানবদা ইন্দ্রিয়পুম্বা হীকথদুনা লৈমায়দা তুখি, তাইবংমীগী ম্বাহৈনা অম্বা-অনাগী খোল্লাও লাওদুনা কপখি ॥ ৮ ॥ শজীনা হায়খি — কামনা ঙাওরবা, শাওরবা, পংলবা অহুগা পাপকী মথক্তা তৌরবা মীমকনহ অসিগুম্বা মুংশিহৈতবা থবক অসি থক তৌনদে ॥৯॥ বিদ্ধিনা লাইবক্ত তম্বা হায়বদুবু মুথংপা ঙমদে, অদুগা লাইবক্ত-তম্বনদি বিদ্ধিবু মাংহনবা ঙম্মি। মরম অদুনা বুদ্ধি লৈবা মী ফাওবা লাইগী নোংলম্বা অমদি লাইবক্তা তমখিবনা লাক্লি লাক্লিবা অৱা-মুংঙাই অদুবু ভোগ তৌবা তাই ॥১০॥ মহাশয়! নহাক্তি যুগ কয়াদগী ধর্ম্ম চেম্মরক্লবা অথোইবা কুংশদা পোকপা শিংথৌনিং অদুগুম্বা মহাক্না অবস্থা অসিদা অপাম্বা মিহৌবগী মথা পোক্লিবা ফরিগীনো? অদুগা

পাণ্ডুরুবাচ।

শত্রূণাং যা বধে বৃত্তিঃ সা মৃগানাং বধে স্মৃতা। রাজ্ঞাঞ্চ মৃগয়াং মোহান্ন ত্বং গর্হিতুমর্হসি ॥১২॥

অচ্ছদ্মনাঽমায়য়া চ মৃগাণাং বধ ইষ্যতে। স এব ধর্ম্মো রাজ্ঞান্তু তদ্বিদ্ধি ত্বং কস্মমর্হসি ॥১৩॥

অগস্ত্যঃ সত্রমাসীনশ্চকার মৃগয়ামৃষিঃ। আরণ্যান্ সর্ব্বদৈবত্যান্ মৃগান্ প্রোক্ষ্য মহাবনে ॥১৪॥

প্রমাণদৃষ্টধর্ম্মেণ কথমস্মান্ বিগর্হসে। অগস্ত্যস্যাভিচারেণ যুষ্মাকঞ্চ বপা হুতা ॥১৫॥

মৃগ উবাচ।

ন রিপূন্ বৈ সমুদ্দিশ্য বিমুঞ্চন্তি নরাঃ শরান্। রন্ধ্র এষাং বিশেষেণ বধ কালে প্রশস্যতে ॥১৬॥

পাণ্ডুরুবাচ।

প্রমত্তমপ্রমত্তং বা বিবৃত্তং ঘ্নন্তি চৌজসা। উপায়ৈরিষুভিস্তীক্ষ্ণৈঃ কস্মান্মৃগ! বিগর্হসে ॥১৭॥

মৃগ উবাচ।

নাহং ঘ্নন্তং মৃগান্ রাজন্! বিগর্হে চাত্মকারণাৎ। মৈথুনন্তু প্রতীক্ষ্যং মে ত্বয়েহাত্মানৃশংস্যতঃ ॥১৮॥

নহাক্কী বুদ্ধিমা করিগীদমক অফবা লম্বী লীক্লমদগী নাম্বোকখিব্রা? ॥১১॥ পাণ্ডুনা হায়খি — য়েক্লবা হাৎপদা পূক্লিং চংবা অতুগুম্বা নিংথৌনা শজী শঙাই তান্নবা হাৎপদা পুক্লিং চংনৈ। অদুনা নহাক্লা কাম্মগী শান্নবা কায়বদগী শাওতুনা মৃগযাবু নিন্দা তৌবা খক য়ারোই ॥১২॥ ইফোং ফোংবা অথুপ্পা নত্তবা ফীজেৎনা অমদি অথুপ্পা নত্তবা, লৌনম তৌদবা ব্যবহারনা শজী শঙাই তানব, শিকাব চৎপ হায়বসি শত্রুকার শিংনা য়ানরিবনি। অদুগা মাসি নিংথৌশিংগীম্ব ধর্ম্মনি। অতুনা মাসিবু অরানবনি হায়রবস্থু দোষ অসি নংনম্ব কোকপিবা গুম্মি ॥ ১৩ ॥ য়েংভু, মহর্ষি অগস্ত্য মুনিমকস্ম বনগী মস্থুংদা যজ্ঞ তৌবা মতমদা বনগী শাশিংবু ইশিংনা মন্ত্রনা চাইথোকতুনা মাতুগীদমক্তা মৃগয়া চৎখি ॥১৪॥ বেদদা নিংথৌগী অসিগুম্বা ধর্ম্মগী য়া অসি যাওবা উই, ধর্ম্ম অতুগী মতুংইন্না এনা নংবু তেম থাবনি, হাৎপনি। অহুগম্ব নংন এবু নিন্দা তৌরিবা করিগীনো? অম্বুক, থোইদোক হেন্দোক্লা হায়রবদা অগস্ত্য মুনিনা শজী-শঙাই শিকার তৌবদু উরগা অতোপ অতোপ্পা ঋষিশিংনস্থু শজী হাত্তুম্না মথোয়গী মহাওনা হোম তৌনরক্লিবনি ॥১৫॥ শজী মশক লৌরিব ঋষিগী মচা অহুনা হায়রকই— ধর্ম্ম শাৎবশিংনা তাঞ্জা ফংলে হায়তুনা য়েক্লবগী মশাদা খুৎলাই শিজিন্নদে, মরমমতম চানা য়েক্লবগী অমমদা খুৎলাই শিজিন্নবদি অচুম্বনি হায়নৈ ॥১৬॥ পাণ্ডুনা হায় — শজী-শঙাই হায়বসিদি মফম-মতম চাবচাদবা, চেকশিন্ন অমদি ইতাও তাওনা লৈরম্ব লৈরমদব থিদনা নিংথৌ অমদি নিংথৌমচাশিংনা উরম্বু উরবদি মথোয়বু মপাম্বোমগী পাঙ্গন্না, তেন্ন অমদি কম্বিগুম্বা উপায় অমনা খুৎনক্ত হাৎনৈ অমুনদি শজী! নং এবু নিন্দা তৌরিবা করিগীনো? ॥১৭॥ শজীমশক লৌরিবা ঋষিগী মচানা হায়খি— মহারাজ! মহারাজনা এবু শজীনি হায়দুনা তেন্ন থাদনা হাৎলি, মাসিদা এনা এগী থবাই মাংহন্নে হায়না শাওব নংজে, এনা হায়রিবদি এবু থৌজালমবিহনা এগী ভার্য্যাগা উনবনা শান্নব অসিতদি

সর্বভূতহিতে কালে সর্বভূতেপ্সিতে তথা। কো হি বিদ্বান্ মৃগং হন্যাচ্চরন্তং মৈথুনং বনে ॥১৯॥
অস্যাঞ্চ মৃগ্যাং রাজেন্দ্র! হর্ষান্মৈথুনমাচরম্। পুরুষার্থফলং কর্ত্তুং তত্ত্বয়া বিফলীকৃতম্ ॥২০॥
পৌরবাণাং মহারাজ! তেষামক্লিষ্টকর্ম্মণাম্। বংশে জাতস্য কৌরব্য! নানুরূপমিদং তব ॥২১॥
নৃশংসং কর্ম্ম সুমহৎ সর্ব্বলোকবিগর্হিতম্। অস্বর্গ্যমযশস্যঞ্চাপ্যধর্ম্মিষ্ঠঞ্চ ভারত! ॥২২॥
স্ত্রীভোগানাং বিশেষজ্ঞঃ শাস্ত্রধর্ম্মার্থতত্ত্ববিৎ। নার্হস্ত্বং সুরসঙ্কাশ! কর্ত্তুমস্বর্গ্যমীদৃশম্ ॥২৩॥
ত্বয়া নৃশংসকর্ত্তারঃ পাপাচারাশ্চ মানবাঃ। নিগ্রাহ্যাঃ পার্থিবশ্রেষ্ঠ! ত্রিবর্গপরিবর্জিতাঃ ॥২৪॥
কিং কৃতং তে নরশ্রেষ্ঠ! মামিহানাগসং ঘ্নতঃ। মুনিং মূলফলাহারং মৃগবেশধরং নৃপ! ॥২৫॥
বসমানমরণ্যেষু নিত্যং শমপরায়ণম্। ত্বয়াহহং হিংসিতো যস্মাত্তস্মাত্ত্বাপ্যহং শপে ॥২৬॥
দ্বয়োর্নৃশংসকর্ত্তারমবশং কামমোহিতম্। জীবিতান্তকরো ভাব এবমেবাগমিষ্যতি ॥২৭॥
অহং কিমিন্দমো নাম তপসাঽপ্রতিমো মুনিঃ। ব্যপত্রপন্ মনুষ্যাণাং মৃগ্যাং মৈথুনমাচরম্ ॥২৮॥
মৃগো ভূত্বা মৃগৈঃ সার্দ্ধং চরামি গহনে বনে। ন তু তে ব্রহ্মহত্যেয়ং ভবিষ্যত্যবিজানতঃ ॥২৯॥

লোইবা ভাইরম্বনা চুম্বনি ॥১৮॥ জীব-পানববু সুংশিবিবা, জীব-পানবগী কান্নবতা থনবা করম্বা জ্ঞান লৈব মীনা লাব-অমোম উনরিবৈদা শজী-শঙাইবু হাৎপগে? ॥১৯॥ মহারাজ! ঐনা ইচা পোক্লনবগী দমক যাম্না মুংঙাইনা ঐগী ভার্য্যাগা উনরিভৈ মতমদা, থবক অসিবু থুগাইদুনা মহে রাজেন্দ্রে ॥২০॥ নিংথৌ! অতোপ্পা কনাগুম্বা অমগী অন্নাবা খুদোংথীবা অমত তৌনখিদ্রবা কৌরব কৌবা বংশ অসদা মহাবাক্ত পোকপনি। অদুগুম্বা মীগী ফনবত্তা থল্লবা পুরুবংশদা পোক্লবা মহারাজনা তৌরিবা থবক অসিদি যাম্না লাল্লি ॥২১॥ মী পুম্নমক্না কাহেন্না তমথিরবা থবকপু নিন্দা তৌনৈ। মরমদি, পাপ পুননবা মশক ওইব, অমদি স্বর্গগী লম্বীদা অপনব ওইব থবকপু মী পুম্নমক্না নিন্দা তৌনৈ ॥২২॥ দেবতাগা মান্নরবা নিংথৌ! মুপীগা তিন্নদুনা মুংঙাইবগী থাংগৈশেংবা মনুংগী খ্রাপুম্বা অমদি ধর্ম্ম হায়রবসিগী মমুৎ লোয়না খংবিরবনি। অদুগা মাদু খংন খংন মহারাজনা অসিগুম্বা নরক তাগদবা থবক অসি তৌবিবা চুমদে ॥২৩॥ মহারাজ! তমথীরব-থবক তৌব পাপকী লমচৎ চৎপা, ধর্ম্ম-অর্থ কাম য়াওদবা প্রজাশিংবু মহারাজনতুম দণ্ড পীবিগদবনি ॥২৪॥ মহারাজ! অদুগুম্বা নিংথৌ নহাকনা, মতম লৈবখিবিক্ত বনদা লৈদুনা বনগী উহৈ মাহৈদা চাদুনা লৈরিবা, শজীগী মশক লৌদুনা শান্তিগা লোয়ননা লৈজবদা পান্নবা অমদি ইরাল লৈত্রবা শজী মশক লৌদুনা শান্নরিবা মুনি ঐবু মহারাজনা হাৎলে, মাসিদা ভুক হায়বিযু। করে অতুমল্লাইরে, মহারাজনা ঐবু হাৎলবনিনা ঐ মহারাজবুসু শাপ তৌরমগে ॥২৫-২৬॥ মহারাজনা ঐখোয় অনিবু অসিগুম্বা অবস্থাদ হাৎলবনিনা মহারাজসু ইন্দ্রিয় থুতুম চনবা ভমদদুনা ভার্য্যাগা য়াম্ন উননীংবগী মতম অদুদা ঐনা ফংলিবা থন্নাই মাংননবগী মশক ওইরবা অবস্থা থুদক্ত ফংবা ওইয়ু ॥২৭॥ ঐ অসি তপস্যাদা চাংদমনিংঙাই লৈত্রবা কিমিন্দম কৌবা মুনি অদুনি। ভাইবং মী মরক্তা অসিগুম্বা অথুপ্প থবক অসি তৌবদা ইকাইদুনা শজীগী মশক লৌদুনা শজীগী মশক লৌবী ভার্য্যাগা লোয়ননা শান্নরম্বনি ॥২৮॥ ঐনা তপস্যা শক্তিনা শজী ওইদুনা থাংগৈশেংবা শজীশিংগী মরক্তা কোয়চৎ চত্তুনা শান্নজরম্বনি। অদুনা মহারাজনা ঐবু ব্রাহ্মণ মুনিনি হায়বসি

মৃগরূপধরং হত্বা মামেবং কামমোহিতম্। অস্য তু ত্বং ফলং মূঢ় প্রাপ্স্যসীদৃশমেব হি ॥৩০॥
প্রিয়য়া সহ সংবাসং প্রাপ্য কামবিমোহিতঃ। ত্বমপ্যস্যামবস্থায়াং প্রেতলোকং গমিষ্যসি ॥৩১॥
প্রিয়য়া সহ সংবাসং যয়া গন্তাসি কান্তয়া। প্রেতরাজপুরং প্রাপ্তং সর্ব্বভূতদুরত্যয়ম্।
ভক্ত্যা মতিমতাং শ্রেষ্ঠ! সৈব ত্বামনুগমিষ্যতি ॥৩২॥
বর্ত্তমানঃ সুখে দুঃখং যথাহং প্রাপিতস্ত্বয়া। তথা ত্বঞ্চ সুখং প্রাপ্তং দুঃখমভ্যাগমিষ্যতি ॥৩৩॥
বৈশম্পায়ন উবাচ।
এবমুক্ত্বা সুদুঃখার্ত্তো জীবিতাৎ স ব্যমুচ্যত। মৃগঃ পাণ্ডুশ্চ দুঃখার্ত্তঃ ক্ষণেন সমপদ্যত ॥৩৪॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিকামাদিপর্ব্বণি
সম্ভবে পাণ্ডুমৃগশাপো নাম দ্বাদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——০:(*):০——

থংখিদবনি। অদুনা ঐবু হাৎপসিদা ব্রহ্মহত্যাগী পাপতি পুবোই ॥২৯॥ অপংবা! কামভোগ গী মুংঙাইবদা লপ্তুনা ঐনা শজী মশক লৌদুনা ঐগী মুপীগা লোয়ননা তিন্নদুনা শান্নবদ্বনি। অবস্থা অসিদা ঐবু হাৎলে! অদুনা নহাকসু থবক অসিগী চপ-চাব মহৈ অদো থুনা ফংবা ওইয়্ ॥৩০॥ নহাকপু কামদা ভাওদুনা নহাকী মুপীগা তিন্নদুনা হেক শান্নবদা নং প্রেতলোক যৌব ওইয় ॥৩১॥ নংনা নংগী অদুগুম্বী চান্নথোইবীগা লোযননা হেক তিন্নবদা জীব পানবা পুন্নমকনা লাপ্তোকপা জমরবা অশিব কৌব লোক অদুদা চৎপদা চান্নথোইবী অদুনা ভক্তিগা লোযননা নংগী নতুং ইনগনি ॥৩২॥ ঐনা সংসারগী মুংঙাইব অদু ফংদুনা শান্নবিঙৈ মতমদা নংনা মুংঙাইবা অদুগী মতুংতা অৱাবা তাহল্লিবা অসিগুম্না নংসু মুংঙাইবা ফংবা অদু মপুং ফাদ্রিঙৈদা অৱাবনা নথক্কা তাব ওইসনু ॥৩৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— অসি হায়রগা শক্তীগী মশক লৌবম্বা কিমিন্দম কৌব মুনি অদু য়াম্না ৱানা মথ্ৎহই থাথি: পাণ্ডু-নিংথৌ মাতু উবদা মিকুপ অমদা অৱাবা চিন্তাদা লপখি ॥৩৪॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভাবততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংব সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা সাম্ভবতা পাণ্ডুমৃগশাপ কৌবা চামগা অবানিথোই শুবা অধ্যায় লোইবে ॥ × ॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে পাণ্ডুচরিতঃ

(মীরোল—নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা পাণ্ডুচরিত্তগী ৱারী)

(চামা তরাহুদোই শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তং ব্যতীতমতিক্রম্য রাজা স্বমিব বান্ধবম্। সভার্য্যঃ শোকদুঃখার্ত্তঃ পর্য্যদেবয়দাতুরঃ ॥ ১ ॥

পাণ্ডুরুবাচ।

সতামপি কুলে জাতাঃ কর্ম্মণা বত দুর্গতিম্। প্রাপ্নুবন্ত্যকৃতাত্মানঃ কামজালবিমোহিতাঃ ॥ ২ ॥
শশ্বদ্ধর্ম্মাত্মনা জাতো বাল এব পিতা মম। জীবিতান্তমনুপ্রাপ্তঃ কামাত্মৈবেতি নঃ শ্রুতম্ ॥৩॥
তস্য কামাত্মনঃ ক্ষেত্রে রাজ্ঞঃ সংযতবাগৃষিঃ। কৃষ্ণদ্বৈপায়নঃ সাক্ষাদ্ভগবান মামজীজনৎ ॥ ৪ ॥
তস্যাস্য ব্যসনে বুদ্ধিঃ সঞ্জাতেয়ং মমাধমা। ত্যক্তস্য দেবৈরনয়াম্মগয়াং পরিধাবত. ॥৫॥
মোক্ষমেব ব্যবস্যামি বন্ধো হি ব্যসনং মহৎ। সুবৃত্তিমনুবর্ত্তিষ্য তামহং পিতুরব্যয়াম্ ॥ ৬ ॥
অতীব তপসাত্মানং যোজয়িষ্যাম্যসংশয়ম্। তস্মাদেকোঽহমেকাকী একৈকস্মিন্ বনস্পতৌ ॥ ৭ ॥
চরন্ ভৈক্ষ্যং মুনির্মুণ্ডশ্চরিষ্যামি মহীমিমাম্। পাংশুনা সমবচ্ছন্নঃ শূন্যাগারকৃতাশ্রয়ঃ ॥৮॥

বৈশম্পায়না হায়খি— পাণ্ডুনা মহাক্কী শাগৈনাতে মৰূপ-মপাংনা শিবগী মতৌগুম শিঙ্কনা লৈরবা কিমিন্দম কৌবা মুনি অদুবু থাদোক্লমখুনা লাক্লগা, অব্বাবা মুংঙাইতবনা থমোই পুবা য়াদদুনা তৌফম থংগ্রবা, ৱারবা মীচমগী মতৌগুম ভার্য্যা অনিগী মফমদা থব্বাই শোক্লা কপলৈ ॥১॥ পাণ্ডুনা হায়খি— ওল্মোকপনি, অব্বাবনিদা। ইন্দ্রিয় খুতুম চনবা ঙমদ্রবা অমদি কাম ভোগগী মৈচাক্লা ঙাওরবা মীশিংনা অফবা অচৌ অশাংগী শাগৈদা পোক্লবসু মাগী ফত্তবা থবক অদুগী মহৈনা পুন্সি তেনবনাচিংবা দুর্গতি ফংঙিদকো ॥২॥ ঐনা তাখিববু, ঐবু পোকপা ইপা অদুসু ধর্ম্ম চেল্লবা নিংথৌগী মচা ওইনা পোকলুরবসু কাম ভোগগী ৱাখল্দা হাকমনখিবনা অঙাং ওইনা চহি মতম চাদনা নোংগাখি হায় ॥৩॥ কামুক ওইরবা ইপা নিংথৌ অদুগী ভার্য্যাগী গর্ভদা নারায়ণমক্কী মশক ওইরবা বেদ ব্যাসনা ঐহাকপু পোকপিখি ॥৪॥ অদুগুম্বা ঐগীসু ঙসি অব্বাবগী পোক্লফম ওইবা বুদ্ধি অমা থোকখ্রে; ওল্মোকপনিদা। মৃগয়া চৎপা লাকপদগী ধর্ম্ম কায়বা থবক তৌরুবনা দেবতামক্লসু থাদোকপিরমলেদো ॥৫॥ মরম অদুনা ঐ সংসারদগী অব্বাবা ফংনবগী লম্বীদা চৎখ্রগে। মরমদি সংসারগী অফাঅপুম্নবগী মরক্তা লৈবাসি অব্বাবা খুদোংথিবগী অথোইবা মরম অমা ওইরে। মরম অদুনা ইপা বেদব্যাসগী থমোইদা লৈরিবা অচুম্বা লমচৎ ৱাখল অদো ঐসু মাতুগী আশ্রয় লৌখ্রগে ॥৬॥ মরম অদুনা মুপী অঙাং পুম্নমক থাদোক্লনা উ অমাগী মথোংদা কয়গা অকনবা তপস্যা তৌদুনা ঐগী আত্মা অসি পরমাত্মাদা তিন্নখিনবা হোৎনবরগে ॥৭॥ শাগৈনাতে ঙাইশেল পুম্নমক্কী অমদি কনাগুম্বা অমত্তগা তিন্নদনা, মুনি ওইদুনা, চকচাং অসি উযুল ৱাইফুল ইতৈ-

বৃক্ষমূলনিকেতো বা ত্যক্তসর্ব্বপ্রিয়াপ্রিয়ঃ। ন শোচন্ন প্রহৃষ্যংশ্চ তুল্যনিন্দাত্মসংস্তুতিঃ ॥৯॥
নিরাশীর্নির্নমস্কো বা নির্দ্বন্দ্বো নিষ্পরিগ্রহঃ। ন চাপ্যবহসন্ কঞ্চিন্ন কুর্বন্ ভ্রূকুটীং কচিৎ ॥১০॥
প্রসন্নবদনো নিত্যং সর্ব্বভূতহিতে রতঃ। জঙ্গমাজঙ্গমং সর্ব্বমবিহিংসংশ্চতুর্বিধম্ ॥১১॥
স্বাসু প্রজাস্বিব সদা সমঃ প্রাণভৃতঃ প্রতি। এককালং চরন্ ভৈক্ষ্যং কুলানি দশ পঞ্চ বা ॥১২॥
অসম্ভবে বা ভৈক্ষ্যস্য চরন্ননশনান্যপি। অল্পমল্পঞ্চ ভুঞ্জানঃ পূর্ববালাভে ন জাতুচিৎ ॥১৩॥
অন্যানবিচরন্ লোভাদলাভে সপ্ত পূরয়ন্। অলাভে যদি বা লাভে সমদর্শী মহাতপাঃ ॥১৪॥
বাস্যৈকং তক্ষতো বাহুং চন্দনেনৈকমুক্ষতঃ। নাকল্যাণং ন কল্যাণং চিন্তয়ন্নুভয়োস্তয়োঃ ॥১৫॥
ন জিজীবিষুবৎ কিঞ্চিন্ন মুমূর্ষুবদাচরন্। জীবিতং মরণঞ্চৈব নাভিনন্দন্ ন বিদ্বিষন্ ॥১৬॥
যাঃ কাশ্চিজ্জীবতা শক্যাঃ কর্ত্তুমভ্যুদয়ক্রিয়াঃ। তাঃ সর্বাঃ সমতিক্রম্য নিমেষাদিষ্যবস্থিতাঃ ॥১৭॥

তৈন্তুনা, যুমথোঃ খুদিংদা ভিক্ষা নিতুনা পৃথিবীগী মফম পুন্নমক্তা কোয়চৎ চৎথ্রগে, নোংজু নোংশা মতমদা কনাস্থ-কনাস্থ য়াওদনা ইহাং হাংবা খাংপোকশংদা ইথন্তা আশ্রয় লৌকগে ।৮॥ নত্রগা ঙগী উখাদ পোথাগে, অপাম্বা-পামদবা পোৎ পুমনমক থাদোক্কে, কাযনবা তিন্নবদা ব্রাস্থ-ব্রাজররোই সুংস্থ—সুংঙাইজররোই, মীনা থাগৎপিবা অমদি থিনাঙ্গাংনবদো অমতনি হায়না থগ্গরগে ॥৯॥ কনাগী মফমদা আশীর্ব্বাদ ফংননবা চীবোন খাবোনস্থ তৌজববোই, কনানস্থ ঐঙোন্দা ইকায় খুম্নবা অমদি খুবমবিনবা থবকস্থ তৌজববোই, তঙ্গংবা তশাবা তনিথেবপা ব্রাহ্মণগী লাম্বোবনবা হোংনকরগে, কনাগী মফমদগী দানগী প্রতিদান লৌনবস্থ হোংনরবোই হাযবদি ঐনা তৌখিবগী চল্লনিংলকপস্থ পামজরবোই, বনাবুস্থ নোবনজববোই অদুগা কনাগী মফমদস্থ শাওবনা পীগুম শুকতুনা য়েংবস্থ তৌজরবোই ।১০॥ মতম লৈবখিক্তা ইপেন্দ-পেন্দুনা লৈজগনি, জীব পানবা পুমনমক্কী মফমদা কান্নবত তৌগনি, জীব পানবা মথল মরিগী মঙংদা অঢচচত্তা জীবপুম্বদা হিংসা থক তৌজররোই ॥১১॥ ইচামক্কী মতৌগুমনা থব্বাই পানবা পুমনমক্কী মফমদা চপ মান্নবা মিৎয়েং অমতনা যেংগনি। ভিক্ষা চৎপা মতমদা নোংমদা, যুম মঙা তরাদগী হেন্না থক চৎলোই ॥১২॥ হাযরিবা যুমশিং অসিদা করিগুম্বা ভিক্ষা নিবা ফংত্রবস্থ মাসিদগী হেন্ন অমদা থক চৎলোই, ভিক্ষা নিবা ইফং ফংখিত্রবস্থ খুমিৎ অদু চরা হেন্দুনা লৈগনি, হেক যাবিমথৈ ব্রাৎনা চাগনি ॥১৩॥ য়ুমথোং মঙাদা ভিক্ষা ফংত্রবদি য়ুমথোং তরেৎ ফাওবদাদি নিগনি, অদু ফাওবদা ভিক্ষা ফংলবস্থ ফত্রবস্থ দ্বোব সুংঙাইতবা থাদোক্কুনা গৃহস্থ ধর্ম্ম চৎপশিংগী মফমদা চপ মান্ননা লৈগনি, তপস্যা তৌগনি ॥১৪॥ চন্দনচিংবা থিনবা মতমদা পাম্বোম নামদা চন্দনচৈনা থিনবা অমদি পাম্বোম অমদনা থুংনা কংপ্তুনা থিনবাদা অসিনা মঙ্গলপী, হায়বা অসিনাচিংবা ব্রাথল পুমননক পুক্নিংদা থম্নরোই ॥১৫॥ সংসারদা সুংঙাইনা হিংতুনা লৈনিংবা খীম তৌবগুমনা অমদি অরানবা থুবম ফংনিংবা মীশিংনা যাগ-যজ্ঞনচিংবা তৌবগুমনা করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌজররোই। হিংতুনা লৈবা অমদি শিবা অসিগী মরমদা অব্বা সুংঙাইতবা অমদি অকিন্না পুমনমক থাদোকলগে ॥১৬॥ অদুগী মতুংদা অদুগুম্বা করিস্থ তৌদনা লৈরবা অবস্থা অদুদা ইন্দ্রিয় পুমনমক্কী মথৌ পুমনমক থাদোকনি, ধর্ম্ম, অর্থ থাদোকনি, জীবাত্মাগী অমকপা কম্নক য়েংবিবা

তাসু চাপ্যনবস্থাসু ত্যক্তসর্বেন্দ্রিয়ক্রিয়ঃ। সম্পরিত্যক্তধর্মার্থঃ সুনির্মুক্তাত্মকল্মষঃ ॥১৮॥

নির্মুক্তঃ সর্বপাপেভ্যো ব্যতীতঃ সর্ববাগুরাঃ। ন বশে কস্যচিত্তিষ্ঠন্ সধর্ম্মা মাতরিশ্বনঃ ॥১৯॥

এতয়া সততং বৃত্ত্যা চরন্নেবংপ্রকারয়া। দেহং সংস্থাপয়িষ্যামি নির্ভয়ং মার্গমাস্থিতঃ ॥২০॥

নাহং শ্বক্লপণে মার্গে স্ববীর্য্যক্ষয়শোচিতে। স্বধর্ম্মাৎ সততাপেতে চরেয়ং বীর্য্যবর্জ্জিতঃ ॥২১॥

সৎকৃতোঽসৎকৃতো বাপি যোঽন্যাং কৃপণচক্ষুষা। উপৈতি বৃত্তিং কামাত্মা স শুনাং বর্ত্ততে পথি ॥২২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্ত্বা সুদুঃখার্ত্তো নিশ্বাসপরমো নৃপঃ। অবেক্ষমাণঃ কুন্তীঞ্চ মাদ্রীঞ্চ সমভাষত ॥২৩॥

কৌশল্যা বিদুরঃ ক্ষত্তা রাজা চ সহ বন্ধুভিঃ। আর্য্যা সত্যবতী ভীষ্মস্তে চ রাজপুরোহিতাঃ ॥২৪॥

ব্রাহ্মণাশ্চ মহাত্মানঃ সোমপাঃ শংসিতব্রতাঃ। পৌরবৃদ্ধাশ্চ যে তত্র নিবসন্ত্যস্মদাশ্রয়াঃ।
প্রসাদ্য সর্বে বক্তব্যাঃ পাণ্ডুঃ প্রব্রজিতো বনম্ ॥২৫॥

নিশম্য বচনং ভর্ত্তুর্বনবাসে ধৃতাত্মনঃ। তৎসমং বচনং কুন্তী মাদ্রী চ সমভাষতাম্ ॥২৬॥

অন্যেঽপি হ্যাশ্রমাঃ সন্তি যে শক্যা ভরতর্ষভ!। আবাভ্যাং ধর্ম্মপত্নীভ্যাং সহ তপ্তুং তপো মহৎ ॥২৭॥

পুমনমক মবযংনা যুকতোক্কনি। হিংদুনা লৈবা মীনা মশাগী চাউখৎননবগীদমক তৌনবা থবক পুমনমক্কগী লাম্হোক্কুনা শাস্ত্রনাচিংবনা ককনবা মতম অমদি মতম অদুদা তৌগদৌবা থবক পুমনমক ইশাগী ওইজবা মাংবা য়েংদনা থাদোক্কনি ॥১৭—১৮॥ পাপ পুম্নমক্কগী লাম্হোকখ্রগনি, অফা অপূন পুমনমক থদৎখ্রগে, অদুগা মুংশিৎকী মতৌগুমনা করিগুম্বদা বনাগীসু মথা পোল্লরোই ॥১৯॥ মতমলৈবা থিবিক্তা মতৌ অসুমনা পুন্সি লেন্দুনা পুমনমক্কগী লাম্হোকপগী লম্বীদা চৎখ্রগে ॥২০॥ শক্তীগী মশক লৌরবা মুণিগী শাগুগী ইচা ইশু পোক্লনবা শক্তি ফাউবা মংথিবনা গৃহস্থ ধর্ম্ম অসি ঐঙোন্দদি অয়াবগী মশক ওইরে মবম অদুনা ধর্ম্ম কায়রবা তোল্লবা ঐ অসিনা গৃহস্থগী ধর্ম্মদা অমুক হন্না চংলরোই ॥২১॥ মচা ফংনিংবা মীনা অচোপ অরেম অমদি ইকায়রবা থাদোক্কুনা অতোপ্পা নিপা অমাগী মফমদগী মশামক্কী ভার্য্যাগী গর্ভদা মগানিদুনা হুইগী লমচৎ চৎলি ॥২২॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মতৌ অসুমনা থোইদোকনা হায়রবা পাণ্ডুনা মুংশা মপি হোন্দুনা কুন্তী অমদি মাদ্রী অনিমক্কা এংঙ্গনা হায়রকই ॥ ২৩ ॥

ইমা অম্বালিকা, বিদুর, সঞ্জয়, মরূপ মপাং শাগে নাতৈগা লোয়নরবা ধৃতরাষ্ট্র, অবোকসিজ সত্যবতী, ভীষ্ম, রাজ পুরোহিতশিং, ব্রত উপাসনা কল্লবা সোমরসদা পানতোরবা, পুকচেক চাউরবা ব্রাহ্মণশিং অমসুং অসিনত্তবা ঐখোয়গী আশ্রয়দা চংঙ্গনা লৈরিবা প্রজা পুম্নমক্কী মফমদা চৎলগা মখোয় অনিনা য়াম্না নোঙ্গ্রা— "পাণ্ডুদি বনগী মসুংদা প্রব্রজ্যা কোবা ধর্ম্ম চত্তুনা লৈহোরে" হায়না তম্মু ॥২৪—২৫॥ বনবাস তৌদুনা পুন্সি লেনখ্রগে হায়না লেপখ্রবা পাণ্ডুগী ৱা তাবদা কুন্তী-মাদ্রী অনিনা ৱাসি হায়খি—মহারাজ! মনাই ঐখোয় অনিদি মহারাজগী ধর্ম্মগী হিরম পুম্নমক্কা লোয়নবীনি; মরম অদুনা অকনবা তপস্যা তৌবদা অমদি করিগুম্বা আশ্রম অমদা চংবদা

শরীরস্যাপি মোক্ষায় ধর্ম্মং প্রাপ্য মহাফলম্। ত্বমেব ভবিতা ভর্ত্তা স্বর্গস্যাপি ন সংশয়ঃ ॥২৮॥
প্রণিধায়েন্দ্রিয়গ্রামং ভর্ত্তৃলোকপরায়ণে। ত্যক্তকামসুখে হ্যাবাং তপ্স্যাবো বিপুলং তপঃ ॥২৯॥
যদি হ্যাবাং মহাপ্রাজ্ঞ! ত্যক্ষ্যসি ত্বং বিশাংপতে!। অদ্যৈবাবাং প্রহাস্যাবো জীবিতং নাত্র সংশয়ঃ ॥৩০॥

পাণ্ডুরুবাচ।

যদি ব্যবসিতং হ্যেতদ্যুবয়োর্ধর্ম্মসংহিতম্। স্ববৃত্তিমনুবর্ত্তিষ্যে তামহং পিতুরব্যয়াম্ ॥৩১॥
ত্যক্ত্বা গ্রাম্যসুখাহারং তপ্যমানো মহত্তপঃ। বল্কলী ফলমূলাশী চরিষ্যামি মহাবনে ॥৩২॥
অগ্নৌ জুহ্বদুভৌ কালাবুভৌ কালাবুপস্পৃশন্। কৃশঃ পরিমিতাহারশ্চীরচর্ম্মজটাধর ॥৩৩॥
শীতবাতাতপসহঃ ক্ষুৎপিপাসানবেক্ষকঃ। তপসা দুশ্চরেণেদং শরীরমুপশোষয়ন্ ॥৩৪॥
পিতৄন্ দেবাংশ্চ বন্যেন বাগ্‌ভিরদ্ভিশ্চ তর্পয়ন্। একান্তশীলী বিমৃশন্ পকাপক্কেন বর্ত্তয়ন্ ॥৩৫॥
বানপ্রস্থজনস্যাপি দর্শনং কুলবাসিনঃ। নাপ্রিয়াণ্যচরিষ্যামি কিং পুনর্গ্রামবাসিনঃ ॥৩৬।

ননাই ঐখোয় অনিবু লোয়নবিবা য়াই ॥২৬-২৭॥ অদু ওইরবদি উরিবা হকচাং অসিগী মুক্তিগী দমক অচৌবা মহৈ পীনরবা ধর্ম্ম কর্ম্ম কয়া তৌহনা স্বর্গ ফংলবা মতুংদসু মহারাজতনা 'ঐখোয়গী ইপুরোইবা ওইগদৌরিবনি, বিষয় অসিদা থোইদোক্না চিংনবিগনু ॥ ২৮॥ ঐখোয়না ইশা-ইশাগী ইন্দ্রিয খুহৈমচন্দুনা মহারাজগী নাক্তদা লৈদুনা পুন্সি লেপ্পবগী ৱাখন্না মতৌজগনি। কামভোগ অমদি অতোপ-অতোপ্পা সংসারগী মুংঙাইনফম ওইবা থবক পুম্নমক থাদোক্তুনা অকনবা তপস্যা তৌদুনা নংগী শিয্যগুম ইনজগে ॥২৯ ॥ শিংলবা নিংথৌরেন! মহারাজনা ঙসি ঐখোয অনিবু থাদোপিরম্লবদি ঐখোয় অনিসু হৌজিকমক মহারাজগী মাংদা থৱাই থাজরগনি, মাসিদা করিমতা চিংনবিগনু ॥৩০॥ পাণ্ডুনা হায়খি— চুম্মি, ধর্ম্ম শাস্ত্রনসু য়ারিবা লম্বী অসি নখোয়না মপ্যাম্লবদি ফরে, ঐখোযবু পোকপা বেদ ব্যাসগী মতম কুইনা লৈরবা সদ্বৃত্তি কৌবা লম্বী অদো ঐসু চৎলগে ॥৩১॥ অচা অথক মুংঙাইনা ফংলদা গ্রাম অমদি নগরবু থাদোক্তুনা অকনবা তপস্যা তৌখ্রগে, অদুগা উকু-শেৎ, জটা পুদুনা বনগী উহৈ ৱাহৈ চাদুনা বন-বন খুদিংদা চৎলগে ॥৩২॥ সন্ধ্যা অমদি প্রাত কাল অনিদা যজ্ঞ তৌগনি, হায়রিবা মতম অনি অসিদা সুমিং খুদিং স্নান তৌগনি, হকচাং অসি সুমিং খুদিংগী কংশিনহনগনি, সুমিং খুদিং চাংনাইনা চাগনি অদুগা কৌপীনশেত্তুনা, শক্তী মউন থাংদুনা কোক্তা জটা পুখ্রগে। নিংথম্বা ওলাংবা, সুশিৎ সুংশাগী অৱাবা পুম্বা থাংখ্রগে, অরাম থৌরাংবগী অৱাবা নীংঙায়বা করিমতা থম্লরোই, মতৌ অসুম্না তৌঙমদবা অকনবা তপস্যা তৌদুনা সুমিং খুদিংগী হকচাং অসি কংশিনহনখ্রগে। অদুগা বনগী উহৈ-ৱাহৈ ঈশিং অমদি, মহুনা পিতৃলোকশিং অমদি দেবতা পুম্নমক্কী তর্পন তৌগে অদুগা অচীকপা মফমদা চত্তুনা ভগবানগী ধ্যান তৌগে। ইথক্তা লৈদুনা ইথক্তনা থোং থাক্তুনা অমুল মুন্দা ৱাখল থাদোক্তুনা পুন্সি লেনখ্রগে। অতোপ-অতোপ্পা বন বাসীশিংগা অমদি গৃহস্থ ধর্ম্ম চৎপাশিংগা থক উনখ্ররোই, মখোয়গী য়াদবা থবকসু তৌররোই গ্রামদা লৈবা গৃহস্থশিংগী মফমদাদি করি অমুক হায়রুরনি ॥৩৩—৩৬॥

এবমারণ্যশাস্ত্রাণামুগ্রমুগ্রতরং বিধিম্ । কাঙ্ক্ষমাণোঽহমাস্থস্যে দেহস্যাস্যাসমাপনাৎ ॥৩৭॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ইত্যেবমুক্ত্বা তে দেব্যৌ রাজা কৌরববংশজঃ । ততশ্চূড়ামণিং নিষ্কমঙ্গদে কুণ্ডলানি চ ॥৩৮॥

বাসাংসি চ মহার্হাণি স্ত্রীণামাভরণানি চ । বাহনানি চ মুখ্যাণি শস্ত্রাণি কবচানি চ ॥৩৯॥

প্রদায় সর্ব্বং বিপ্রেভ্যঃ পাণ্ডুর্ভূত্যানভাষত । গত্বা নাগপুরং বাচ্যং পাণ্ডুঃ প্রব্রজিতো বনম্ ॥ ৪০ ॥

অর্থং কামং সুখঞ্চৈব রতিঞ্চ পরমাত্মিকাম্ । প্রতস্থে সর্ব্বমুৎসৃজ্য সভার্য্যঃ স কুরূদ্বহঃ ॥৪১॥

ততস্তস্যানুযাত্রারস্তে চাপি পরিচারকাঃ । শ্রুত্বা ভরতসিংহস্য বিচিত্রাঃ করুণা গিরঃ ।

ভীমমার্ত্তস্বরং কৃত্বা হাহেতি পরিচুক্রুশুঃ ॥৪২॥

উষ্ণমশ্রু বিমুঞ্চন্তস্তং বিহায় মহীপতিম্ । যযুর্নাগপুরং তূর্ণং সর্বমাদায় তদ্বচঃ ॥ ৪৩ ॥

তে গত্বা নগরং রাজ্ঞো যথাবৃত্তং মহাত্মনঃ । কথয়াঞ্চক্রিরে রাজ্ঞস্তদ্ধনং বিবিধং দদুঃ ॥৪৪॥

শ্রুত্বা চ তেভ্যস্তৎসর্বং যথাবৃত্তং মহাবনে । ধৃতরাষ্ট্রো নরশ্রেষ্ঠঃ পাণ্ডুমেবান্বশোচত ॥৪৫॥

ন শয্যাসনভোগেষু রতিং বিন্দতি কর্হিচিৎ । ভ্রাতৃশোকসমাবিষ্টস্তমেবার্থং বিচিন্তয়ন্ ॥৪৬॥

মুক্তি ফংননবগী দমক হকচাং অসিনা তুমাদ্রিফাওবা বানপ্রস্থ শাস্ত্রগী অকিবগী মশক ফংলবা নিয়ম অহ মথং শিংনা ঙাক্কনি ॥৩৭॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— পাণ্ডুনা মতৌ অসুম্না কুন্তী মাদ্রী অনিমক্ত হায়রগা, কোকথক্ত থেৎলিবা মনি, থবাক্ত শিরিবা মমলযাম্নবা লীককোল, খুজীনাচী, কুণ্ডলনাইন ফীবোল, মুপীগী মমল যাম্নবা লৈতেং পুম্বা, যর-করবা সগোল, শামু রথনচিংবা বাহন ময়াম, থুৎশু থুৎলাই—কবচ নচিংবা লোইনা লৌথোক্তুনা ব্রাহ্মণশিংদা লোইনা যেম্ভোক্লগা মীনাই মিশলশিংদা পাণ্ডুনা হায়রকই ঃ— "নখোয়না হস্তিনাপুরদা চৎলগা হাযকগদবা হাযববু— পাণ্ডুদি বনদা প্রব্রজ্যা কৌবা ধর্ম্ম চত্তুনা হাযবদি লম্বোইহুনা লৈহোরে হাযবা অসিনি।" ৩৮—৪০॥ সংসারগী বিষযা পুম্নমক, শনা লুপা, মুপী-অত্তাংগী রাথল পুম্নমক থাদোক্তুনা পাণ্ডু অদো মাগী ভার্য্যাশিংগা লোযনন মীরমলেন্দা অমুক হল্লক্কদবা লৈতনা পুনসি সিমগীদমক চৎখ্রে হায়রবসিমম তন্ম্যু ॥ ৪১॥ অহগী তুংদা নিংথৌগী মীনাই মিশল, খোংলোয় নচিংবা পুম্নমক্কা ভরতশাগেগী অথোইবা পাণ্ডুগী রা অসি তাবদা "হা-হা ওস্থোকপনি" হায়না অররাবা খোপ্পেনতনা কপ্পবা হৌরক্লে ॥৪২॥ নিংথৌগী পোংলোয মিনাই মিশল পুম্নমক মপুক্লিং শুংশিবনা মমিত্তগী মপি শিন্থহুনা নিংথৌ পাণ্ডুবু থাদোকলমহুনা অমদি নিংথৌহুগী য়াথং মতুং ইন্না নিংথৌগী পোৎলোই-সম্পোৎ ময়াম পুহনা হস্তিনাপুর তান্না চৎখি ।৪৩॥ মথোয়না হস্তিনাপুর কোম্বুং য়ৌখিহনা ধৃতরাষ্ট্রগী মফমদা নিংথৌ পাণ্ডুনা চায়রকপা রা পুম্নমক তম্মুরগা, পুরক্লিবা লল-থুম শনা লুপা, পোৎলোই-সম্পোৎ পুম্নমক অহু ধৃতরাষ্ট্রগী মফমদা কৎশিনখি ॥৪৪॥ বন অমুদা নিংথৌ পাণ্ডুনা হায়রকপা অমদি ভৌহৌরিবা অবস্থা তারবদা ধৃতরাষ্ট্রনা পাণ্ডুবু নৈমহুনা কপ্প-কপ্প অহাবা কোংদোকখি ॥৪৫॥ মনাও কায়নবগী রাবনা থম্মোই পুবা য়াদনা হুমিৎ শুহা মাগী মরমদা শন্দুনা তুম-থীবা, চাব-থকপা হিরম পুম্নমক্তা হান্নগী মতৌঙমনা করিবত্তা

রাজপুত্রস্তু কৌরব্যঃ পাণ্ডুর্মূলফলাশনঃ । জগাম সহ ভার্য্যাভ্যাং ততো নাগশতং গিরিম্ ॥৪৭॥
স চৈত্ররথমাসাদ্য কালকূটমতীত্য চ । হিমবন্তমতিক্রম্য প্রযযৌ গন্ধমাদনম্ ॥৪৮॥
রক্ষ্যমাণো মহাভূতৈঃ সিদ্ধৈশ্চ পরমর্ষিভিঃ । উবাস স মহারাজ ! সমেষু বিষমেষু চ ॥৪৯॥
ইন্দ্রদ্যুম্নসরঃ প্রাপ্য হংসকূটমতীত্য চ । শতশৃঙ্গে মহারাজ ! তাপসঃ সমপদ্যত ॥৫০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সম্ভবে পাণ্ডুচরিতে ত্রয়োদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(*):—

সুংঙাইফম পোথাকম থংখিদে ॥৪৬॥ অসোমদা, নিংথৌরেলগী মচা নিংথৌ পাণ্ডুসু বনগী উহৈ মরাহৈ চাত্তুনা অমদি মাহুতনা পুনশি লেন্দুনা ভার্য্যা অনিগা লোয়ননা হান্নগী মথম অদুদগী নাগশত কৌবা চীং তাম্না চংথি ॥৪৭॥ অদুগী মতুংদা নাগশতদগী চৈত্ররথদা, চৈত্ররদগী কাল কূটদা, কাল-কূটদগী উত্তর হিমালয়দা, মাসিদগী অমুক গন্ধমাদন কৌবা চীংদা চংথি ॥৪৮॥ মথৌনা মপাঙ্গল লৈরবা সিদ্ধশিং অমদি মহর্ষিশিংনা নিংথৌ পাণ্ডুবু শেন্নরম্মি, অসিগুম্বা অবস্থাদা মহাক্না লৈতেম মান্নবা, লৈকূৎ লৈতোং নাইবা মফম বয়াদা কোযচৎ চত্তুনা লৈরম্মি ॥৪৯॥ অদুগী মতুংদা পাণ্ডুনা ইন্দ্রদ্যুম্নসরোবর তাম্না চংথিত্তুনা, মাদুদগী অমুক হংসকূট কৌবা চীং তাম্না চংখি, হংসকূটদগী শতশৃঙ্গ কৌবা চীং তাম্ন চংথিত্তুনা মফম অদুদা অকনবা তপস্যা তৌখি ॥৫০॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতনা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবদা পাণ্ডু চরিতদা চামগা তরাহুমদোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—: *:—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে পৃথাপাণ্ডুসংবাদ ।

(মীরোল-নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা পৃথাগা পাণ্ডুগা ঙাংনবা মতাংগী ৱারী)
(চামা তরামন্নি শুবা অধ্যায়)

—.(0)—

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

তত্রাপি তপসি শ্রেষ্ঠে বর্ত্তমানঃ স বীর্য্যবান্ । সিদ্ধচারণসংঘানাং বভূব প্রিয়দর্শনঃ ॥১॥

বৈশম্পায়ননা হাযখি— শক্তি লৈরবা পাণ্ডুনা শতশৃঙ্গ কৌবা চীংদা চংখিদুনা অবনবা তপস্যাদা পুক্নিং লুপখিদুনা, মফম অদুদগী সিদ্ধ, গন্ধর্ব্ব অমদি চারণ পুমনমক্কী নুংশিরবা মরূপ

শুশ্রূষুরনহংবাদী সংযতাত্মা জিতেন্দ্রিয়ঃ। স্বর্গং গন্তুং পরাক্রান্তঃ স্বেন বীর্য্যেণ ভারত! ॥২॥
কেষাঞ্চিদভবদ্ভ্রাতা কেষাঞ্চিদভবৎ সখা। ঋষয়স্ত্বপরে চৈনং পুত্রবৎ পর্য্যপালয়ন্ ॥৩॥
স তু কালেন মহতা প্রাপ্য নিষ্কল্মষং তপঃ। ব্রহ্মর্ষিসদৃশঃ পাণ্ডুর্বভূব ভরতর্ষভ! ॥৪॥
অমাবস্যান্তু সহিতা ঋষয়ঃ সংশিতব্রতাঃ। ব্রহ্মাণং দ্রষ্টুকামাস্তে সম্প্রতস্থুর্মহর্ষয়ঃ ॥৫॥
সম্প্রয়াতানৃষীন্ দৃষ্ট্বা পাণ্ডুর্বচনমব্রবীৎ। ভবন্তঃ ক্ব গমিষ্যন্তি ব্রূত মে বদতাং বরাঃ! ॥৬॥

ঋষয় ঊচুঃ।

সমবায়ো মহানদ্য ব্রহ্মলোকে মহাত্মনাম্। দেবানাঞ্চ ঋষীণাঞ্চ পিতৄণাঞ্চ মহাত্মনাম্ ॥৭॥
বয়ং তত্র গমিষ্যামো দ্রষ্টুকামাঃ স্বয়ম্ভুবম্।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

পাণ্ডুরুত্থায় সহসা গন্তুকামো মহর্ষিভিঃ ॥৮॥
স্বর্গপারং তিতীর্ষুঃ স শতশৃঙ্গাদুদঙ্মুখঃ। প্রতস্থে সহ পত্নীভ্যামব্রুবংস্তঞ্চ তাপসাঃ ॥৯॥
উপর্য্যুপরি গচ্ছন্তঃ শৈলরাজমুদঙ্মুখাঃ। দৃষ্টবন্তো গিরৌ রম্যা দুর্গান্ দেশান্ বহূন্ বয়ম্ ॥১০॥
বিমান-শত সম্বাধাং গীত স্বন-নিনাদিতাম। আক্রীড়ভূমিং দেবানাং গন্ধর্ব্বাপ্সরসাং তথা ॥১১॥

অমা ওইনা লৈখরে ॥১॥ মহাকনা গুরুগী সেবাদা পুকনিং চংবা, অহংকার য়াওদবা, ইন্দ্রিয় খুতুম চনবা অমদি পুবক্তিং যাবা হন্না মীশক অমা ওইদুনা মশা মথন্তগী তপস্যাগী শক্তিনা চংনা স্বর্গ কাগে হায়না য়াথল খনখি ॥২॥ মহাক অসি মশা মথন্তগী অথবা স্বভাবকী মগুন্না ঋষি কয়াগা মচিন্মনাওগী মতৌগুম ঋষি কয়াগী মরূপকী মতৌগুম লৈখি, অতুগা ঋষিশিংনস্তু পাণ্ডুবু মচাদ মচা-গুমনা য়োকখি ॥৩॥ পাণ্ডুনা মতম কুইনা পাপ পুন্নমক মাংনবগী মশক ওইবা অকনবা তপস্যা তৌদুনা ব্রহ্মর্ষি অমগী থক্তা কাখি ॥৪॥ করিগুম্বা মতম অমদা অমাবস্যাগী গুমিত্তা ব্রত কল্লবা ঋষি অমদি মহর্ষিশিংনা অমতা ওইনা তিন্নদুনা ব্রহ্মাবু উনগে হায়বগী দমক্তা ব্রহ্মলোক তান্না চংকে হায়না যাত্রা তৌখি ॥৫॥ ঋষিনা যাত্রা তৌরকপদু উবদা পাণ্ডুনা হায়খি— ভসি ময়াম পুম্নমক কদাযদা চৎপিরিবনা? জ্ঞান লৈরবা ঋষি পুম্নমক! ঐগী ইফমদা হায়বিরম্মু ॥৬॥ ঋষিশিংনা হায়খি— ভসিদি ব্রহ্মলোকতা ব্রহ্মাগী সভাদা পুকচেল চাউরবা দেবতাশিং ঋষিশিং অমদি পিতৃলোক পুম্নমক্কী অচৌবা সভা অমা ফমগদৌরি ॥৭॥ ঐখোয় পুম্নমক ব্রহ্মাবু উনবা মফম অদুদা চৎপা তারি। বৈশম্পায়ননা হায়খি— য়াসি তাবদা পাণ্ডুসু খুক হেক হৌগৎলুনা মহর্ষিশিং অদুগা চৎকে হান্না থৌরাং তৌই ॥৮॥ মহাক্না কুন্তী অমদি মাদ্রীগা লোয়ননা অয়াং ওন্দুনা, স্বর্গদা চৎপদু য়াওগে হায়না খন্দুনা মহর্ষিশিং অদুগী তুং ওইনা ওইনা শতশৃঙ্গচিংদগী যাত্রা তৌখি। মতম অদুদা তপস্বীশিংনা পাণ্ডুদা হায়খি ॥৯॥ মহারাজ! ঐখোয়না মায় অয়াং ওন্দুনা মথং মথং চীংনিংথৌ অসিগী মথক্তা অস্থুম কাখৎলকপা অসিদা, অহানবদা পুক্নিং হুনববগী মশক ওইরবা চীং অসিদা, চংবা ওয়দবা খুদোং থিরবা দেশ কয়া উরি। অমুক্ত করি উবগে হায়বদু দেবতাশিং, গন্ধর্ব্ব অমদি অপ্সরাশিংগী শান্নফম কয়া লৈরি, মফমশিং অদে মথল-অথা অয়াম্বা রথ- অপাইবী করানা থনয়

উদ্যানানি কুবেরস্য সমানি বিষমাণি চ। মহানদীনিতম্বাংশ্চ গহনান্ গিরিগহ্বরান্ ॥১২॥
সন্তি নিত্যহিমা দেশা নির্বৃক্ষমৃগপক্ষিণঃ। সন্তি কেচিন্মহাবর্ষা দুর্গাঃ কেচিদ্দুরাসদা ॥১৩॥
নাতিক্রামেত যান্ পক্ষী কুত এবেতরে মৃগাঃ। বায়ুরেকোঽভিযাতাত্র সিদ্ধাশ্চ পরমর্ষয়ঃ ॥১৪॥
গচ্ছন্ত্যৌ শৈলরাজেঽস্মিন্ রাজপুত্র্যৌ কথন্ত্বিম। ন সীদেতামদুঃখার্হে মাগমো ভরতর্ষভ ! ॥১৫॥

পাণ্ডুরুবাচ।

অপ্রজস্য মহাভাগাঃ ! ন দ্বারং পরিচক্ষতে। স্বর্গে তেনাভিতপ্তোঽহমপ্রজস্ত্ব ব্রবীমি বঃ ॥১৬॥
পিত্র্যাদৃণাদনির্মুক্তস্তেন তপ্যে তপোধনাঃ ! । দেহনাশে ধ্রুবো নাশঃ পিতৄণামেষ নিশ্চয়ঃ ॥১৭॥
ঋণৈশ্চতুর্ভিঃ সংযুক্তা জায়ন্তে সর্বমানবাঃ। পিতৃদেবর্ষিমনুজৈর্দেয়ং তেভ্যশ্চ ধর্ম্মতঃ ॥১৮॥
এতানি তু যথাকালং যো ন বুধ্যতি মানবঃ। ন তস্য লোকাঃ সন্তীতি ধর্ম্মবিদ্ভিঃ প্রতিষ্ঠিতম্ ॥১৯॥
যজ্ঞৈস্তু দেবান্ প্রীণাতি স্বাধ্যায়তপসা মুনীন্। পুত্রৈঃ শ্রাদ্ধৈঃ পিতৄংশ্চাপি আনৃশংস্যেন মানবান্ ॥২০॥

অমমুং মথল-মথা অয়াম্বা বাগ রাগিনীগী সঙ্গীতকী খোঞ্জেম্না পূগনিল নিম্না লৈরি, অদুগা কুবেরগী উরিবা হৈকোল-লৈকোল পুন্নমবসে, লৈতেম মাম্বা-মান্নদবা লম্মাং কয়া অমদি অচৌ-অচৌবা তুরেল অমমুং চংবা ঙমদবা চীংগী লোকমুং কযাসু উরিদো ॥১০—১২॥ মফম অসিদা ঋতু নাইদনা চহী চুপপা উন্তনা কুপ্পুনা লৈবা দেশ কযা কযা লৈখি। করি অমুক হায়গনি— অসিগুম্বা মফমদাদি উপাম্বী, নাপী, শিংনা করি মতা হোদে, শা-উচেক চিংবা জীবপানবা লৈব ঙমদে। অসিগুম্বা দেশ কয়া-কয়া লৈখি, মাদুদা যাম্না কা হেন্ন নোংতাই। কনাগুম্বা মী অমদি জীব অমতনা মহৌশানা লৈবা-চংবা ঙমদবা দেশ কযা কযাসু লৈখি ॥১৩॥ উচেকশিং মরুস্ত পাইদুনা লাম্বেকপা য়োব ঙমদবা দেশ কয়া লৈরি, মাদুদা অতোপপা জীব কনানদি চংলুবা-যৌকবা ঙমগদগে? মফমশিং অদুদা মুংশিংতগী হেন্ন করিমতা চংবা-লৈব ঙমদে, মহর্ষিশিংতদি মফম অদুদা চংপা ঙম্মি ॥১৪॥ অদুগা মহারাজ! মহারাজগী লোযনবী রাজকুমারী অনি অসে হংযবির মফমশিং অসিদা চ'প মতিক চাদে, ঙম্মোই, খর চংলে হায়রগা চীং মানগী লম অসিদা থোং থাংব য়ারকলোই, চোকথরক্কনি; মরম অদুনা মহারজ! ঐখোয়গী ইতুং ইনরিবরুমু ॥১৫॥ পাণ্ডুনা হায়খি:— পুকচেল চাওরব মহর্ষি পুন্নমক! মচা পোক্তবশিংগী মফমদদি স্বর্গগী লম্বী লৈতে, থোং হাংদে হায়না মুনিশিংনা হায়বনে। মরম অদুনা ঐসু ইচা পোক্তবা ওইবনা, যাম্না থৱাই ৱানা মুঙাইতনা মহর্ষিশিংদা ঐসু য়াওজগে হায়না হায়জরিবসিনি ॥১৬॥ ইপানা ঐবু পোকপীরম্বগী, ইপাগী লম্মণ তোলিরসি কোকপা ঙম্মদ্রি; অদুনা ঐগী থৱাই অসি ওন্তোকনা ৱাশে, মরমদি ঐনা লৈরিবগী ফরিবনি; হকচাং অসিনা হেক তুম্বা ফুমিত্ত ঐগী ইপা-ইপু লোইনা শোযদনা লৈখা তারকদবনি ॥১৭॥ পিতৃলোক, দেবতা, ঋষি অমদি মীওইবা হায়রিবা মরি অসিগী লম্মল তোম্ব তেম্না মীওইবা ঐখোয়না মর্ত্ত্যলোক, অসিদা পোকরিবনি। মরম অদুনা ধর্ম্মগী মতুংইন্না লম্মল অসি কোকননবা হোৎনবনা মীওইবগী মথৌনি ॥১৮॥ ধর্ম্ম খংবাশিংনা অসিগুম্বা নিয়ম অমা তৌখ্রে, মাহদি— কনাগুম্বা মী অমনা হায়রিবা লম্মল মথল মরি অনিবু শিংগে হায়না খঙ্গবা অদুগা খংব্রবা মী মহাক অদুদি স্বর্গ থংদে ॥১৯॥ যজ্ঞ তৌবনা

ঋষিদেবমনুষ্যাণাং পরিমুক্তোঽস্মি ধর্ম্মতঃ। ত্রয়াণামিতরেষান্তু নাশ আত্মনি নশ্যতি ॥২১॥
পিত্র্যাদৃণাদনির্মুক্ত ইদানীমস্মি তাপসাঃ। ইহ তস্মাৎ প্রজাহেতোঃ প্রজায়ন্তে নরোত্তমাঃ ॥২২॥
যথৈবাহং পিতুঃ ক্ষেত্রে জাতস্তেন মহর্ষিণা। তথৈবাস্মিনমম ক্ষেত্রে কথং বৈ সম্ভবেৎ প্রজা ॥২৩॥

ঋষয় উচুঃ।

অস্তি বৈ তব ধর্ম্মাত্মন্! বিদ্মো দেবোপমং শুভম্। অপত্যমনঘং রাজন্! বয়ং দিব্যেন চক্ষুষা ॥২৪॥
দৈবোদিষ্টং নরব্যাঘ্র! কর্ম্মণেহোপপাদয়। অক্লিষ্টং ফলমব্যগ্রো বিন্দতে বুদ্ধিমান্নরঃ ॥২৫॥
তস্মিন্ দৃষ্টে ফলে রাজন্! প্রযত্নং কর্ত্তুমর্হসি। অপত্যং গুণসম্পন্নং লব্ধা প্রীতিকরং হ্যসি ॥২৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তচ্ছ্রুত্বা তাপসবচঃ পাণ্ডুশ্চিন্তাপরোঽভবৎ। আত্মনো মৃগশাপেনজানন্নুপহতাং ক্রিয়াম্ ॥২৭॥
সোঽব্রবীদ্বিজনে কুন্তীং ধর্ম্মপত্নীং যশস্বিনীম্। অপত্যোৎপাদনে যত্নমাপদি ত্বং সমর্থয় ॥২৮॥

দেবতাশিংদা তোনবা লম্মল, বেদ পাঠ অমদি তপস্যা তৌবনা ঋষিশিংগী মফমদা তোনবা লম্মল, মচা মশু পোকনদুনা শ্রাদ্ধনচিংবা তৌবনা মপা মপুগী মফমদা তোনবা লম্মল অমসুং খব্বাইগী কান্নবা ব্রাখন্না মীওইবগী মফমদা থৌজাল উৎপা অমদি অতিথি সেবানাচিংবনা মীওইবগী মফমদা তোনবা লম্মল কোক্লবা ওই ।২০॥ পাণ্ডু ঐ অসিনা ধর্ম্মগী মতুংইন্না দেবতাশিংগী, ঋষিশিংগী অমদি মীওইবাশিংগী মফমদা তোনবা লম্মলদগীদি কোকচরে। অদুবু ইচা পোক্লমত্রবনিনা ঐনা শিরবা তুংদা ঐগী ইপা-ইপুশিংনা স্বর্গদগী অমুক লৈখা তারকপা হায়বদু শোয়ন্নবনি ॥২১॥

তপস্বী পুন্নমক!— ঐদি ইচা পোক্লমত্রবনিনা হৌজিক কাউবা পিতৃঋণ হায়বদি ইপা ইপুগী মফমদা তোনবা লম্মল অদু কোকপা ঙমহৌদ্রে। মরম অদুনা জগৎ অসিদা অশিংবা অথোইবা মীশিংনা মচা মশু পোক্লনবা গৃহস্থ ধর্ম্মনাচিংবদা চংদুনা দান ধর্ম্মনচিংবা উপায়না হোৎনরিবা অসিনি ॥২২॥ মরম অদুনা ঐ অসিনা ইপাগী ভার্য্যাগী গর্ভদা বেদব্যাসগী ঔরসতগী পোকখিবা অদুগুম্না ঐনা শিখ্রবদা অমদি সন্ন্যাস ধর্ম্ম অসি চঙ্লনা লৈরবদা মতৌ করন্না ঐগী ভার্য্যাগী গর্ভদা ইচা পোক্লগে ॥?॥২৩॥ ঋষিশিংনা হায়খি— ধর্ম্ম চেনবা নিংথৌ! ঐখোয়না দিব্যদৃষ্টিনা অদুম য়েংববু দেবতাগা মান্নরবা, মঙ্গোল পুন্নমক্কী মশক ওইরবা, অমদি পাপ চেন্দ্রবা নচা লৈরি ॥২৪॥ হেংমী অথোইবা! নহাক্কী নবাইবক্তা লাইনা তন্নকইবা অসে নশাগী কর্ম্মনা পাংথোক্লবা হোৎনৌ। অশিংবা মীনা তহা তহাদনা লাইনা তন্নকপা মহে চাননবা হোৎনৈ ॥২৫॥ মহারাজ! ঐখোয়না দিব্যদৃষ্টিনা য়েংবদা উরে, মহারাজাগী নচা লৈরি, লাইনা তন্নিবা মহে অসি য়াম্না কন্না হোৎনবিয়ু! গুণ চেন্নবা পোকচবগী নুংঙাইনবগী মশক ওইরবা নচাশিং য়াম্না ফংবিগদৌরি ॥২৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— তপস্বীশিংগী ব্রা অসি তাবদা অমদি মৃগ মুনিগী শাপনা মরম ওইরদুনা ভার্য্যাগা লোয়ননা মচা পোক্লনবা হেক উনবদা থোক্কদৌরিবা থৌরোক অদু হেক খল্লুবদা চিন্তাদনা থমোই অদু পুব ঙমখিদে ॥২৭॥ মতুংদা পাণ্ডুনা ধর্ম্মচেন্নবী মিংচৎ চাউরবী ভার্য্যা কুন্তীদা অন্নম হায়খি— দেবী! অবাবা থুংলোংখিরবা মতম অসিদা নচা পোক্লনবা নংনা হোৎনগদৌবনি, ঐনা হায়রিবসি য়াও ।২৮॥

অপত্যং নাম লোকেষু প্রতিষ্ঠা ধর্ম্মসংহিতা। ইতি কুন্তি! বিদুর্বীরা শাশ্বতং ধর্ম্মবাদিনঃ ॥২৯॥
ইষ্টং দত্তং তপস্তপ্তং নিয়মশ্চ স্বনুষ্ঠিতঃ। সর্ব্বমেবানপত্যস্য ন পাবনমিহোচ্যতে ॥৩০॥
সোঽহমেবং বিদিত্বৈতৎ প্রপশ্যামি শুচিস্মিতে!। অনপত্যঃ শুভাঁল্লোকান্ ন প্রাপ্স্যামীতি চিন্তয়ন্ ॥৩১॥
মৃগাভিশাপান্নষ্টং মে জননং হ্যকৃতাত্মন। নৃশংসকারিণো ভীরু! যথৈবোপহতং পুরা ॥৩২॥
ইমে বৈ বন্ধুদায়াদাঃ ষট পুত্রা ধর্ম্মদর্শনে। ষডেবাবন্ধুদায়াদাঃ পুত্রাস্তান্ শৃণু মে পৃথে! ॥৩৩॥
স্বয়ং জাতঃ প্রণীতশ্চ পরিক্রীতশ্চ যঃ সুতঃ। পৌনর্ভবশ্চ কানীনঃ স্বৈরিণ্যাং যশ্চ জায়তে ॥৩৪॥
দত্তঃ ক্রীতঃ কৃত্রিমশ্চ উপাগচ্ছেৎ স্বয়ঞ্চ যঃ। সাহোঢ়ো জাতরেতাশ্চ হীনযোনিধৃতশ্চ য ॥৩৫॥

কুন্তি! ধর্ম্ম খংবা পণ্ডিতশিংন মতমলৈবাথিবিক্তা হায়নরিবা খন্নরিবা অসি মঙাই— মচা হায়বা অসিতনা ইহলোক-পরলোক অনিমক্তা ধর্ম্মনা তিন্নবা চংজফম অমনি ॥২৯॥ যজ্ঞ, দান, তপস্যা অমদি নিয়ম কায়দনা তৌবা ব্রত মরুস্য মচা পোক্তবগী পাপশুদি কোকহনবা ঙমদে ॥ ৩০॥ অদুনা ঐনা মাসি খংজহনা, ইচা পোক্ত্রবদি পুণ্যলোক ফংবা ঙম্নরোই হাযবসি খল্লুবনা ইহলোক অসিদা ইচা পোক্লম্বনা ঐগী তৌত্রবা য়াম্রবা ইথৌ অমনি হায়বসি খল্লে ॥ ৩১॥ নিংথিজবী! শুক নাইনা বিদ্যা তমদুনা শিক্ষা ফংহোদবা মরম্না তমথিববা কর্ম্ম অমা ঐনা তৌকরেদো, শক্তিগী মশক লৌবা মুনি অমগী শাপনা ইচা পোক্লনবগী শক্তি অদুস্য থিংখ্রে, থিংবদ নত্তনা মপুংফানা মাংহনখ্রে হায়বসি নহাক্না হেন্না খংলিবনি ॥৩২॥ কুন্তি! ধর্ম্ম শাস্ত্রদা উনরিবা অসি মঙাই— মচা মখল তকক্লা মপাগী লৌরি-য়ুমফম ফংননবগী অধিকার ফংঙি, অদুগা মচা মখল তকক্লা অধিকার অদু ফংদে ॥৩৩॥ ঔরস, ক্ষেত্রজ, ক্রীত, পৌনর্ভব, কানীন অমদি গূঢোৎপন্ন কৌবা মচা তরুক অসিনা অমা ॥৩৪॥ দত্তক, অপবিদ্ধ, কুত্রিম, স্বয়ংদত্ত, সহোঢ অমদি শৌদ্র হাযরিবা তরুক অসিনা অমা ॥৩৫॥ *

---

* টীকাঃ— ঔরস— জাতি মাম্নবী লুহোংদুনা লৌবী ভার্যাগী গর্ভদা মশামক্তী ঈদগী পোকপা মচা মদুবু ঔরস পুত্র হায়না কৌই। মাসিনা ইহান হানবা, থবাইদগী হেনবা মচানি।

ক্ষেত্রজঃ— জাতি মান্নত্রবস্থু মান্নরবস্থু মতিক চাবা অফবা জাতিদা পোকপি ভার্যাগী গর্ভদা পোকউবা মচাদু ক্ষেত্রজ পুত্র কৌই, জাত মান্নবা মান্নদবা য়েংদনা অফবা ক্ষেত্রদা হুন্নুবা মরুনা হোৎকপনা অদুবু ক্ষেত্রজ কৌবনি মাসিনা অনিশুবা মচানি।

ক্রীতঃ— মতিক চাবা সনা লুপানাচিংবা মমল পিদুনা লৈবগুমনা শৌরুবী ভার্যাগী গর্ভদা পোকউবা মচা অদো ক্রীত পুত্র কৌই মাসিনা অহুম শুবা মচানি।

পৌনর্ভঃ— মপুরোইবনা থা দান্নবী নত্রগা লুথ্রাবী ওইরবী অংতাপ্না অমাগী অমুক ভার্য্যা ওইরবী অদুগী গর্ভদা পোকপা মচা অদু পৌনর্ভ পুত্র কৌই মাসিনা মরিশুবা মচানি।

কানীনঃ— মপাগী ময়ুমদা কন্যা ওইনা লৈরিঙৈদা, কনাগুম্বা অমগা মুংশিনরুবদগী পোকপা মচা অদু কন্যা পুত্র কৌই হায়বদদি কানীন পুত্র কৌই মাসিনা মঙাশুবা মচানি।

গূঢোৎপন্নঃ— লুহোংত্রিঙৈদা অমদি হোংলবা মতুংদা লোন্না থুপ্না, মপুরোইবামক্তী চিংনফম থোক্না পোকখিবা মচা অদুবু গূঢোৎপন্ন পুত্র কৌই মাসিনা অহানবা মথংগী তরুকশুবা মচানি।

দত্তকঃ— মচাপোক্তবী মচা মুপীদা মপানা নত্রগা মমানা নত্রগা মমা-মপা অনিনা মচা ওইনা পীথোকপা মচা অদুবু দত্তক পুত্র কৌই মাসিনা তরেৎশুবা মচানি।

পূর্ব্বপূর্ব্বতমাভাবে মাতা লিপ্সেত বৈ সুতম্। উত্তমাদ্দেবরাৎ পুংসঃ কাঙ্ক্ষন্তে পুত্রমাপদি ॥৩৬॥
অপত্যং ধর্ম্মফলদং শ্রেষ্ঠং বিন্দন্তি মানবাঃ। আত্মশুক্রাদপি পৃথে! মনুঃ স্বায়ম্ভুবোঽব্রবীৎ ॥৩৭॥
তস্মাৎ প্রহেষ্যাম্যদ্য ত্বং হীনঃ প্রজননাৎ স্বয়ম্। সদৃশাচ্ছ্রেয়সো বা ত্বং বিদ্ধ্যপত্যং যশস্বিনি! ॥৩৮॥
শৃণু কুন্তি! কথামেতাং শারদণ্ডায়নীং প্রতি। যা বীরপত্নী গুরুণা নিযুক্তা পুত্রজন্মনি ॥৩৯॥
পুষ্পেণ প্রয়তা স্নাতা নিশি কুন্তি! চতুষ্পথে। বরয়িত্বা দ্বিজং সিদ্ধং হুত্বা পুংসবনেঽনলম্ ॥৪০॥
কর্ম্মণ্যবসিতে তস্মিন্ সা তেনৈব সহাবসৎ। পুত্রাংস্ত্রীন্ জনয়ামাস দুর্জ্জয়াদীন্ মহারথান্ ॥৪১॥
তথা ত্বমপি কল্যাণি! ব্রাহ্মণাত্তপসাধিকাৎ। মন্নিয়োগাদ্যত ক্ষিপ্রমপত্যোৎপাদনং প্রতি ॥৪২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি সম্ভবে পৃথাপাণ্ডুসংবাদে চতুর্দ্দশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(০):——

অহান অহানবা মচানা লৈত্তবদা মমানা মতুং মতুংগী মচাবু আকঙ্ক্ষা তৌগদৌবনি। হায়বদি অব্বাবা তারবা মতমদা, মচা লৈত্রবদি খুদোংথিবা তারগদৌবা উরবদা মুপীনা মগুণ লৈবা অফবা পুরুষ অমাদগী নত্রগা মনাওনিপা মক্তদগী ফাওবা ম৷৷ ফংনিংঙি ॥৩৬॥ কুন্তী! স্বায়ম্ভুব মনুনা হায়খি— ঔরস পুত্র মক্তগীসু ক্ষেত্রজ পুত্রনা হেল্লি হায়দুনা অমদি দান ধর্ম্মগী ফল ফংঙি হায়দুনা অয়াম্বনা ক্ষেত্রজ পুত্র ফংননবা হোৎনৈ অমদি ফংনৈ ॥ ৩৭ ॥ ময়ম অঙনা কুন্তি! ইচা পোক্লনবগী শক্তিদু ঐগীদি মাংখ্রবনিনা, নংত্তোন্দা হায়জবিবা অসিনি— জাতি মান্নবা নত্রগা অফবা বর্ণগী পুরুষ অমদগী নচা যংননবা নংনা শীল্লু ॥ ৩৮॥ কুন্তি! শারদ গুায়নীগী ৱারি তাও, অকনবগী লোযনবী শারদণ্ডায়নীবু মহাক্কী মপুবোইবনা অতোপ্পা অমাগী মফমদগী ক্ষেত্রজ পুত্র ফংননবা য়াথং পিরম্মি ॥৩৯॥ কুন্তি! শারদণ্ডাযনীনা ঋতু স্নান তৌরবা মতুংদা, পুক্লিং হকচাং শেংনা, অহিংদা লমলোং মরি যাংবদা চৎখিহনা, কনাগুম্বা যোগসিদ্ধ ওইবা ব্রাহ্মণ অমাগী মফমদা মচা পিরম্মু, হায়জখি, অদুগা মচা পোক্লনবা হোমনাচিংবা তৌহল্লমই, হোম অদু লোয়রবদা ব্রাহ্মণ অদুগা তিন্নখি; অদুগী মতুংদা দুর্জ্জয়নচিংবা কল্লবা মচা মহাবাথি অহুম মতম চানা চানা পোকখি ॥৪০॥—৪১॥ মঙ্গোলগী মশক ওইরবী! নংসু মতৌ অদুগুম্না ঐগী য়াথং মতুংইন্না কনাগুম্বা তপস্বী ওইবা ব্রাহ্মণ অমদগী নচা ফংননবা হোৎনৌ ॥৪২॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা পৃথা পাণ্ডু সংবাদ কৌবা চামতরামরি শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(০):——

অপবিদ্ধঃ— শাইরবা মমা-মপানা য়োকপা গুমদবদগী নত্রগা করিগুম্বা ঘটনা অমদগী অতোপ্পা অমদা য়োহোকরক্লবাগুম পীথোরক্লবী অদুগী গর্ভদা পোকপা মচাদু অপবিদ্ধ পুত্র কৌই মাসিনা নিপালগুবা মচানি।

কৃত্রিমঃ— মচা পোক্তবাশিংনা মচা শাহুমা কনাগুম্বা অমাগী মচাবু য়োকপা, অদুগুম্বা মচা অদুবু কৃত্রিম পুত্র কৌই মাসিনা মাপনগুবা মচানি।

স্বয়ংদত্তঃ— মপানা মানা কনাগুম্বা অমনা পীথোরকপা অদুগুম্বা মচা অদুবু স্বয়ংদত্তপুত্র কৌই মাসিনা তরাগুবা মচানি।

সহোঢ়— কনাগী ঔরসদগী গর্ভাবতী ওইথিবনো হায়বদু খংলবসু খংত্রবসু অদুগুম্বা মচা গুপী অদুগী লুহোংলবা মতুংদা পোকপা মচা অদু মপা অদুগী সহোঢ় পুত্র কৌই মাসিনা তরামাথোইগুবা মচানি।

পৌত্রঃ— মুত্রনচিংবী অতোনবা জাতিদা লায়হনা পোকলুবা মচা অদুবু পৌত্র পুত্র কৌই মাসিনা তরানিথোই গুবা থরাইদগী অতোনবা মচানি।

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে ব্যুষিতাশ্বোপাখ্যানং নাম।

(মীয়োল নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা ব্যুবিতাশ্বো পাখ্যানগী ৱারী)

(চাম্মা তরামঙা শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তা মহারাজ! কুন্তী পাণ্ডুমভাষত। কুরূণামৃষভং বীরং তদা ভূমিপতিং পতিম্ ॥১॥

ন মামর্হসি ধর্ম্মজ্ঞ! বক্তুমেবং কথঞ্চন। ধর্ম্মপত্নীমভিরতাং ত্বয়ি রাজীবলোচন! ॥২॥

ত্বমেব তু মহারাজ! মর্য্যপত্যানি ভারত! । বীরবীর্য্যোপপন্নানি ধর্ম্মতো জনয়িষ্যসি ॥৩॥

স্বর্গং মনুজশার্দ্দূল! গচ্ছেয়াং সহিতা ত্বয়া। অপত্যায় চ মাং গচ্ছ ত্বমেব কুরুপুঙ্গব! ॥৪॥

নহ্যহং মনসাপ্যন্যং গচ্ছেয়ং ত্বদৃতে নরম। ত্বত্তঃ প্রতিবিশিষ্টশ্চ কোহন্যোহস্তি ভুবি মানবঃ ॥৫॥

ইমাঞ্চ তাবদ্ধর্ম্ম্যাং ত্বং পৌরাণীং শৃণু বৈ কথাম্। পরিশ্রুতাং বিশালাক্ষ! কীর্ত্তয়িষ্যামি যামহম্ ॥৬॥

ব্যুষিতাশ্ব ইতি খ্যাতো বভূব কিল পার্থিবঃ। পুরা পরমধর্ম্মিষ্ঠঃপূরোর্ব্বংশবিবর্দ্ধনঃ ॥৭॥

তস্মিংশ্চ যজমানে বৈ ধর্ম্মাত্মনি মহাভুজ। উপাগমংস্ততো দেবাঃ সেন্দ্রা দেবর্ষিভিঃ সহ ॥৮॥

অমাদ্যদিন্দ্রঃ সোমেন দক্ষিণাভির্দ্বিজাতয়। ব্যুষিতাশ্বস্য রাজর্ষেস্ততো যজ্ঞে মহাত্মনঃ ॥৯॥

দেবা ব্রহ্মর্ষয়শ্চৈব চক্রুঃ কর্ম্ম স্বয়ং তদা। ব্যুষিতাশ্বস্ততো রাজন্! অতিমর্ত্ত্যান ব্যরোচত ॥১০॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— মহারাজ! পাণ্ডুনা অসুম হায়রবদা কুন্তী দেবীনা কৌরব শাগেগী অথোইবা, কান্নবা মপুরোইবা পাণ্ডু নিংথৌদা অসুম্না হায়খি— নত্তিক নগুণ লৈরবা ফজরবা ইবুংঙো! নংদি ধর্ম্ম য়াম্না খংবা নিপানি, ঐস্সু নহাক্কী নফমদা ধর্ম্ম কায়দনা চৎলিবী লোয়নবী অমনি অদুগা মতমলৈবা খিবিক্তা নংগী নফমদা পুক্লিংহুনা অতৈ অমা থন্দনা লৈজরিবনি। মরম অদুনা ঐঙোন্দা তাকপিরিবসি অসুম্না অমুক তাকপিরোইদবনি ॥১—২॥ মরম অদুনা মহারাজ! ধর্ম্মগী মতুং ইন্না অমদি ধর্ম্ম কায়দনা ঐগী গর্ভদা অকনবা শক্তিনা তিন্নবা ইচা মহারাজমক্তা পীনবীয় ॥৩॥ নিপাগী মসুংদা মীথোই মীহেনবা! মহারাজনা স্বর্গ কাবদা ঐদি ইননিংলিবনি। মরম অদুনা স্বর্গদ চত্রিঙৈদা ঐগী ইচা পীনবিরস্নু ॥৪॥ মহারাজ নঙনা অতোপ্পা নিপাগী মফমদা ইচা ফংননবনি হায়দুনসু খক চংজরোই। মরমদি জগৎ অসিদা মহারাজদগী হেনবা অতৈ পুরুষ অমা কদায়দা লৈগনগে ॥৫॥ মহারাজ! অহল লম্মলশিংগী মচীন্দগী তাজরকপা ধর্ম্মগী মরম ওইবা পুরানগী ৱারি অসি তাজগে [illegible] ॥৬॥ [illegible] পূরুবংশদা য়াম্না ধর্ম্ম চেন্নবা ব্যুষিতাশ্ব কৌবা নিংথৌ অমা লৈরম্মি ॥৭॥ ধর্ম্ম চেন্নবা মপাঙ্গল কান্নবা ব্যুষিতাশ্বনা যজ্ঞ তৌরক্রবদা, ইন্দ্র অমদি দেবর্ষি খিবিক্তা লোয়ননা দেবতাশিংনা [illegible] পুংখি ॥৮॥ রাজর্ষি ওইরবা পুকচেল চাউরবা ব্যুষিতাশ্বগী যজ্ঞ অদুদা ইন্দ্রনা সোমরস [illegible]না অমদি ব্রাহ্মণশিংনা মত্তিক চাবা দক্ষিনা ফংদুনা হরাউবনা মন্নাই কাখি ॥৯॥ দেবতাশিংনা অমদি ব্রহ্মর্ষিশিংনা মশা মশানা যজ্ঞ অদুদা থবক তৌবা য়াওরম্মি। মহারাজ! অদুগী মতুংদা

সর্বভূতান্যতি যথা তপনঃ শিশিরাত্যয়ে। স বিজিত্য গৃহীত্বা চ নৃপতীন্ রাজসত্তমঃ ॥১১॥
প্রাচ্যানুদীচ্যান্ পাশ্চাত্যান্ দাক্ষিণাত্যানকালয়ৎ। অশ্বমেধে মহাযজ্ঞে ব্যুষিতাশ্বঃ প্রতাপবান্ ॥১২॥
বভূব স তু রাজেন্দ্রো দশনাগবলান্বিতঃ। অপ্যত্র গাথাং গায়ন্তি যে পুরাণবিদো জনাঃ ॥১৩॥
ব্যুষিতাশ্বে যশোবৃদ্ধে মনুষ্যেন্দ্রে কুরূত্তম! ব্যুষিতাশ্বঃ সমুদ্রান্তাং বিজিত্যেমাং বসুন্ধরাম্ ॥১৪॥
অপালয়ৎ সর্ববর্ণান্ পিতা পুত্রানিবৌরসান্। যজমানো মহাযজ্ঞৈর্ব্রাহ্মণেভ্যো ধনং দদৌ ॥১৫॥
অনন্তরত্নান্যাদায় আজহার মহাক্রতূন্। সুষাব চ বহূন্ সোমান্ সোমসংস্থাংস্ততান চ ॥১৬॥
আসীৎ কাক্ষীবতী চাস্য ভার্য্যা পরমসম্মতা। ভদ্রা নাম মনুষ্যেন্দ্র! রূপেণাপ্রতিমা ভুবি ॥১৭॥
কাময়ামাসতুস্তৌ চ পরস্পরমিতি শ্রুতম্। স তস্যাং কামসম্মত্তো যক্ষ্মণা সমগৃহ্যত ॥১৮॥
তেনাচিরেণ কালেন জগামাস্তমিবাংশুমান্। তস্মিন্ প্রেতে মহাবীরে ভার্য্যাস্য ভৃশদুঃখিতা ॥১৯॥
অপুত্রা পুরুষব্যাঘ্র! বিললাপেতি নঃ শ্রুতম্। ভদ্রা পরমদুঃখার্ত্তা তান্ নিবোধ নরাধিপ ॥২০॥

নিংথৌ ব্যুষিতাশ্ব কৌব নিংথৌ অসি অতৈ অতোপ্পা নী পুম্নমক্কী থোইদোক হেন্দোকপা মশেক মঙাম্না ইলং লংঙি ॥১০॥ নিংথম্বগী ঋতুনা লোযশ্র্বদা সুমিৎনা ঙাম্থোকররকপগী মতৌগুম নিংথৌ অসি পুমঙাল ঙালখি। অশ্বমেধ কৌবা যজ্ঞ অসিনা লোযশ্র্বা তুংদা, প্রতাপ চাউরবা অথোইবা নিংথৌ ব্যুষিতাশ্বনা খা ৱাং নোংপোক নোংচুপ্পা লৈবা নিংথৌশিংবু জয় তৌদুনা মখা পোলহনখি ॥১১ ১২॥ যজ্ঞ অদুগী মতৈনা নিংথৌ ব্যুষিতাশ্বসি শামু তরাগী পাঙ্গল কনখি। মীথোই মীহেনবা ব্যুষিতাশ্ব মিংচৎনা মাইকৈ মবি শন্দোরব্রবদা পুরাণ খংলবা কবিতা শক্তি লৈরবা কবিশিংনা মাগী মগুণ শক্তুনা মফম মফমদা চংথোক্লরক্রে। ব্যুষিতাশ্বনা সমুদ্র ফাওবা শন্দোকখিব্রা লম ফাওবদা লৈবিবা লমদম পুম্নমক জয় তৌদুনা, মপানা ঔরস পুত্র যোকপগী মতৌগুম বর্ণ পুম্নমক্কী প্রজাবু য়োক থাকখি অমসুং অথোই অথোইবা যজ্ঞ তৌদুনা ব্রাহ্মণশিংদা দান দক্ষিনা যাম্না কৎখি ॥১৩—১৫॥

নিংথৌ ব্যুষিতাশ্বনা মশিং লাকতমদ্রবা সনা, লুপা, মণি, মুক্তাদনা অথোই-অথোইবা যজ্ঞ কয়া তৌখি অমদি মরাং কাইনা সোমরস কয়া পৈখত্তুনা সোমাঙ্গ যজ্ঞ কয়াবু মপুংফানা পাংথোকখি ॥১৬॥ মহারাজ! মতম অদুগী জগৎতা চাংদমনিংঙাই লৈতনা ফজরবী ভদ্রা কৌবী কাক্ষীবান্ কৌবা নিংথৌগী মচা নুপী অসি নিংথৌ ব্যুষিতাশ্বগী চাম্নথোইরবী ভার্য্যা ওইরম্মি ॥১৭॥ ঐখোয়না তাববু নিংথৌ মহারাণী অনি অসি য়াম্না কা গেম্না তিন্ন খোৎনবা অসিদা পুক্নিং চংখি হায়না তাই, মরম অদুনা কামদা আসক্তিকা হেন্না লৈথিবনা নিংথৌ অসিদা যক্ষ্মা য়োগ কৌবা লাইনা অদু পকখি ॥১৮॥ নিংথৌ অসি যক্ষ্মবা য়োগ অদুনা মরম ওইদুনা মতম খরগী মনুংদা সুমিৎনা মশেক মঙাল ৱাংলক্তুনা তারকপগুম নোংমা-নোংমাগী শোম্থখি। কল্লবা নিংথৌ অসিনা শিথ্র্বদা মহাক্কী ভদ্রা কৌবী মহারাণী অসি অম্নাবগী ইপাক্কা লুপখি ॥১৯॥ হে মী অথোইবা! ঐখোয়না তাখি, য়াম্না ৱারবী মচা পোক্তবী ভদ্রা লেবীনা য়াম্না তেংথাদুনা কপখি। মানা তেংথাখিবদুনা করি হায়না কপখিবাহ

ভদ্রোবাচ ।

নারী পরমধর্ম্মজ্ঞ ! সর্ব্বা ভর্ত্তৃবিনাকৃতা । পতিং বিনা জীবতি যা ন সা জীবতি দুঃখিতা ॥২১॥

পতিং বিনা মৃতং শ্রেয়ো নার্য্যাঃ ক্ষত্রিয়পুঙ্গব ! ত্বদ্গতিং গন্তুমিচ্ছামি প্রসীদস্ব নয়স্ব মাম্ ॥২২॥

ত্বয়া হীনা ক্ষণমপি নাহং জীবিতুমুৎসহে । প্রসাদং কুরু মে রাজন্ ! ইতস্তূর্ণং নয়স্ব মাম্ ॥২৩॥

পৃষ্ঠতোঽনুগমিষ্যামি সমেষু বিষমেষু চ । ত্বামহং নরশার্দ্দূল ! গচ্ছন্তমনিবর্ত্তিনম্ ॥২৪॥

ছায়েবানুগতা রাজন্ ! সততং বশবর্ত্তিনী । ভবিষ্যামি নরব্যাঘ্র ! নিত্যং প্রিয়হিতে রতা ॥২৫॥

অদ্য প্রভৃতি মাং রাজন্ ! কষ্টা হৃদয়শোষণাঃ । আধয়োঽভিভবিষ্যন্তি ত্বামৃতে পুষ্করেক্ষণ ! ॥২৬॥

অভাগ্যয়া ময়া নূনং বিযুক্তাঃ সহচারিণঃ । তেন মে বিপ্রয়োগোঽয়মুপপন্নস্ত্বয়া সহ ॥২৭॥

বিপ্রযুক্তা তু যা পত্যা মুহূর্ত্তমপি জীবতি । দুঃখং জীবতি সা পাপা নরকস্থেব পার্থিব ॥২৮॥

সংযুক্তা বিপ্রযুক্তাশ্চ পূর্ব্বদেহে কৃতা ময়া । তদিদং কর্ম্মভিঃ পাপৈঃ পূর্ব্বদেহেষু সঞ্চিতম্ ॥২৯॥

দুঃখং মাময়ং প্রাপ্তং রাজন্ ! ত্বদ্বিপ্রয়োগজম্ । অদ্য প্রভৃত্যহং রাজন্ ! কুশসংস্তরশায়িনী ।
ভবিষ্যাম্যসুখাবিষ্টা ত্বদ্দর্শনপরায়ণা ॥৩০॥

তাবিয় ॥২০॥ ভদ্রানা হায়থি অথোইবা ধর্ম্ম থংলবা ! নুপী পুন্নমক মপুরোইবগা লৈমিন্নরবতদা মীদ মী কপেংবা হায়বদু ওইরিবনি । অদুগা অদুগুম্বী নুপী অদুনা মপুরোইবা যাওদনা হিংদুনা লৈরিবদু হিংদবা অশিবাগুম্না লৈরিবনি । মাদু থাঙ্গেপেংবদি নুপীদদি হিংদুনা লৈবা কোদে ॥২১॥ হে ক্ষত্রিয় অথোইবা ! মপু য়াইববু য়াওদ্রবদি নুপীগীদি শিবনা হেন্না ফৈ । মরম অদুনা ঐসু নংনা চৎখিবা লম্বী অসে ঐসু চৎচনিংঙি, অদুনা ঐবুসু পুদুনা চৎপিয়ু ॥২২॥ মহারাজ ! নং য়াওদনা মিৎকুপ অমত্তা হিংদুনা লৈবা ঙমলোই । অদুনা ননাই ঐবুসু থৌজালবিদুনা মফম অসিদগী পুদুনা চৎপিয়ু ॥২৩॥ মীথোই মীহেনবা ! নংদি পরলোকতা চৎলি, অমুক হল্লকলরোইদবনি । মরম অদুনা অয়াবা খুদোংথিবনা থল্লবা মফম ওইদুনাসু ঐনা নংগী তুং ইন্না ইন্না চৎচগে ॥২৪॥ মহারাজ ! মিগী মতৌগুম্না নংগী তুংইনজগে, মতম পুম্নমক্তা নংগী নথা পোনজগে, অহিং নুংথিলদা নংনা য়াবা নংগী কাম্নবদা তৌজগে ॥২৫॥ থম্বাল মিৎতা তাবা ইবুঙো ! নং লৈত্রবদা ঙসিদগী হৌনা থাংজম্রবা অয়াবনা অমদি থমোই কংশিন্নবগী মশক ওইরবা পুক্কিংগী চৈনাথোল অসিনা ঐবু মথাপোল-হনখ্রুনিদো ॥২৬॥ ঐদি লাইবক থিরবীনি ; মতম অমদা ঐনা অমগা অমাগা নুংশিননা তিন্নরিবা নিপা নুপী কয়াগী প্রেমবু থদৎখি, অদুগী পাপ অদুনা মহৈ ওইদুনা নংগা ঐগা কায়নরবনি ॥২৭॥ নিংথৌ ! অদুগুম্বী নুপী অদুনা মপুরোইবগা কায়নদুনা মিৎকুপ অমতা কাওবা হিংদুনা লৈবদো নরকগী নরাদা নক্না লৈরিবী নুপী অমাগী মতৌগুম য়ানা পুন্সি লেনলি ॥২৮॥ ঐনা নহাক্নুবী অমা মপুরোইবগা লৈমিন্নরবী নুপী কয়াবু তিন্নহন্দুনা অমুক কায়নহনখি, নহাক্নুবী মপোক্তা তৌখিবা পাপ অদুনা হৌজিক অসিদা অয়াবা তাররবনি ॥২৯॥ মহারাজ ! নংগা কায়নবগী য়ারনা চৌকম খংদ্রদুনা ঙসিদগী হৌনা নংবু উনিংবনা লাংতন্নবী ওইদুনা কুশগী কমুদা হিপ্পুনা পুন্সি

দর্শয়স্ব নরব্যাঘ্র! শাধি মামসুখান্বিতাম্। কৃপণাঞ্চাথ করুণং বিলপন্তীং নরেশ্বর! ॥৩১॥

কুন্ত্যুবাচ।

এবং বহুবিধং তস্যাং বিলপন্ত্যাং পুনঃ পুনঃ। তং শবং সম্পরিষ্বজ্য বাক্ কিলান্তর্হিতাহব্রবীৎ ॥৩২॥

উত্তিষ্ঠ ভদ্রে! গচ্ছ ত্বং দদানীহ বরং তব। জনয়িষ্যাম্যপত্যানি ত্বয্যহং চারুহাসিনি! ॥৩৩॥

আত্মকীয়ে বরারোহে! শয়নীয়ে চতুর্দ্দশীম্। অষ্টমীং বাহথ পুণ্যস্নাতা সংবিশেথা ময়া সহ ॥৩৪॥

এবমুক্তা তু সা দেবী তথা চক্রে পতিব্রতা। যথোক্তমেব তদ্বাক্যং ভদ্রা পুত্রার্থিনী তদা ॥৩৫॥

সা তেন সুষুবে দেবী শবেন ভরতর্ষভ!। ত্রীন্ শাল্বাংশ্চতুরো মদ্রান সুতান্ ভরতসত্তম! ॥৩৬॥

তথা ত্বমপি ময্যেবং মনসাপি নরর্ষভ! শক্তো জনয়িতুং পুত্রাংস্তপোযোগবলান্বিতঃ ॥৩৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সম্ভবে ব্যুষিতাশ্বোপাখ্যানং নাম পঞ্চদশাধিকশততমোহধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(*):—

লেনজগে।৩০॥ মহারাজ! অঙ্গবা লাংতক্রবনা থমোই পুবা য়াদজুনা কপ্পুনা কেন্নারিবনি, মরম অহনা হৌজিকমক দর্শণ পীবিয়ু, তোগদৌবা ইথৌ তাকপিয়ু ॥৩১॥ কুন্তীনা হায়খি— ভদ্রা দেবীনা মতৌ অসুম্না মপুরোইবগী অশিবা হকচাং অদু কোমুনা য়ম্না তেংবা নাওইনা কপ্পুনা লৈবা অতুদা আকাশ বাণী তৌখি ॥৩২॥ ভদ্রে! হৌগৎলু, হৌজিক নঙুমদা চংলো, ঐন বর পীরিবা অসিনি। হে মিনোক ফজরবী! ঐনা নংগী গর্ভদা নচা পীগনি ॥৩৩॥ নিংথৌ তাবা ফজরবী! ঋতু স্নান তৌরুনা চতুর্দ্দশী নত্রগা অষ্টমী তিথিদা নহাকী ফমুংদা ঐগা উনবা য়ংগনি ॥৩৪॥ আকাশ বাণীনা অসুম হায়রবদা মপুরোইবা নিংলবী ভদ্রা দেবীনা মচা পামজবনা আকাশ বাণীনা হায়খিবা থবক পুম্নমক তৌখি ॥৩৫॥ হে ভরত শাগৈগী অথোইবা! ভদ্রা দেবীনা মতৌ অসুমনা শিখিবা মপুরোইবগা লোয়নবা সংগ তৌরুনা শাল্ব দেশগী নিংথৌ মচা অহুম অমসুং মদ্র দেশগী নিংথৌ মরি মচা ওইনা পোকখি ॥৩৬॥ মরম অদুনা মহারাজ! নহাক্কি তপস্যাগী অমসুং য়োগগী শক্তিনা তিয়বা নিপা অমনি, মরম অদুনা মতৌ অহুম্না মহারাজনসু ঐগী গর্ভদা মানস পুত্র থর পীবিয়ু য়াই ॥৩৭॥

মতাং অসিদ শ্রীমহাভারতঅ শ্লোক লিশিং চামনা থমবা, শ্রীব্যাসনা ফোংবা সংহিতাগী আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা ব্যুষিতাশ্বোপাখ্যান কৌবা চাগ তরামঙা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে কুন্তীপুত্রোৎপত্ত্যনুজ্ঞানঃ।

(মীরোল—নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা কুন্তী মচাশিং পোবপগী ৱারী)

(চামা তরাতরুক শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তস্তয়া রাজা দেবীং তাং পুনরব্রবীৎ। ধর্ম্মবিদ্ধর্ম্মসংযুক্তমিদং বচনমুত্তমম্ ॥১॥

পাণ্ডুরুবাচ।

এবমেতৎ পুরা কুন্তি! ব্যুষিতাশ্বশ্চকার হ। যথা ত্বয়োক্তং কল্যাণি! স হ্যাসীদমরোপমঃ ॥২॥

অথ ত্বিদং প্রবক্ষ্যামি ধর্ম্মতত্ত্বং নিবোধ মে। পুরাণমৃষিভির্দৃষ্টং ধর্ম্মবিদ্ভির্মহাত্মভিঃ ॥৩॥

অনাবৃতাঃ কিল পুরা স্ত্রিয় আসন্ বরাননে!। কামচারবিহারিণ্যঃ স্বতন্ত্রাশ্চারুহাসিনি! ॥৪॥

তাসাং ব্যুচ্চরমাণানাং কৌমারাৎ সুভগে! পতীন্। নাধর্ম্মোঽভূদ্বরারোহে! স হি ধর্ম্মঃ সনাতনঃ ॥৫॥

তঞ্চৈব ধর্ম্মং পৌরাণং তির্য্যগ্‌যোনিগতাঃ প্রজাঃ। অদ্যাপ্যনুবিধীয়ন্তে কামদ্বেষবিবর্জ্জিতাঃ ॥৬॥

প্রমাণদৃষ্টো ধর্ম্মোঽয়ং পূজ্যতে চ মহর্ষিভিঃ। উত্তরেষু চ রম্ভোরু! কুরুষ্বদ্যাপি পূজ্যতে।

স্ত্রীণামনুগ্রহকরঃ স হি ধর্ম্মঃ সনাতনঃ ॥৭॥

অস্মিংস্তু লোকে নচিরান্মর্য্যাদেয়ং শুচিস্মিতে!। স্থাপিতা যেন যস্মাচ্চ তন্মে বিস্তরতঃ শৃণু ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— ৱা অসি কুন্তীনা হায়রবদ, ধর্ম্ম খংবা পাণ্ডুনা অমুক হন্না ধর্ম্মগা মরি লৈনবা নিংথিজরবা ৱাহৈনা কুন্তীদা হায়খি॥১॥ পাণ্ডুনা হায়খি— কুন্তি! মদু অচুম্বনি নংনা হায়রিবাহুমক মমাংঙৈদা ব্যুষিতাশ্বনিংথৌনা তৌখি, মহাক্কি দেবতাগা মান্না শক্তি লৈবা নিপানি॥২॥ অদুগী মতুংদা ধর্ম্ম খংলবা পুকচেল চাউবা ঋষিশিংনা থাজৈশেংনা তৌবন্না থবক অদো অমসুং অদুগী কুইনা চৎনবক্রবা ধর্ম্মগী তত্ত্বদো ঐ নংঙোন্দা নীগে তাও।৩॥ হে মীনে,ক নিংথিজবী! মমাংঙৈদা নুপী পুম্নমক অসি ইম্ মন্নদা চংথোক খোঙ্‌খোক্তনা লৈনবসি তৌরম্মদে, মখোয়না চৎনিং-চৎনিংবা মফম মতমদা চত্তুনা মনিং মথা তম্না শান্নরম্মি।৪। নিংথিজবী! লুচোংলবা মতুং থাওবদা নুপীশিংনা মনিংমথা তৌনা কোইচৎ চৎলম্মি, মাদুবু মতম অদুদা অধর্ম্ম ওইনা থোক্লমদে। মরমদি মনিং মথা তম্না মান মানা চৎনিংবা মফমদা কোইচৎ চৎপা হায়বসি জীবগী ধর্ম্মনি।।৫॥ মী নত্তবা অতৈ থৱাই পানবা পুম্নমক্কা হমগা অমগা যেংথিনবা অমদি কামদা পোইনা মীহোৎকবা লৈতনা জীবগী চৎনবাক্লিবা ধর্ম্ম অসি হৌজিক ফাওবা চৎলি॥৬॥ মহর্ষিশিংনাসু থাজৈশেংনা মমিৎমক্কা উনরকলবনি হায়দুনা ব্যবহার অসিবু অদুমক ময়ানরি, উত্তরকুরুদেশদদি হৌজিক ফাউবদসু ব্যবহার আচার-অসি হায়বরবদি নুপী হায়বসিবু সমাজনা থৱ হুংশিবিবগুম তৌবদগী থোইদোক্লা অকায়বা লৈতবগুম পাইনা মমাংঙৈদগী মতৌনরকলি॥৭॥ নিংথিজবী! থোইন কুইদ্রিব

বভূবোদ্দালকো নাম মহর্ষিরিতি নঃ শ্রুতম্। শ্বেতকেতুরিতি খ্যাতঃ পুত্রস্তস্যাভবন্মুনিঃ ॥৯॥
মর্য্যাদেয়ং কৃতা তেন ধর্ম্ম্যা বৈ শ্বেতকেতুনা। কোপাৎ কমলপত্রাক্ষি! যদর্থং তন্নিবোধ মে ॥১০॥
শ্বেতকেতোঃ কিল পুরা সমক্ষং মাতরং পিতুঃ। জগ্রাহ ব্রাহ্মণঃ পাণৌ গচ্ছাব ইতি চাব্রবীৎ ॥১১॥
ঋষিপুত্রস্ততঃ কোপং চকারামর্ষচোদিতঃ। মাতরং তাং তথা দৃষ্ট্বা নীয়মানাং বলাদিব ॥১২॥
ক্রুদ্ধন্তু তং পিতা দৃষ্ট্বা শ্বেতকেতুমুবাচ হ। মা তাত! কোপং কার্ষীস্ত্বম্ এষ ধর্ম্মঃ সনাতনঃ ॥১৩॥
অনাবৃতা হি সর্ব্বেষাং বর্ণানামঙ্গনা ভুবি। যথা গাবঃ স্থিতাস্তাত! স্বে স্বে বর্ণে তথা প্রজাঃ ॥১৪॥
তথৈব চ কুটুম্বেষু ন প্রমাদ্যন্তি কর্হিচিৎ। ঋতুকালে তু সম্প্রাপ্তে ভর্ত্তারং ন জহন্তি তাঃ ॥১৫॥
ঋষিপুত্রস্তু তং ধর্ম্মং শ্বেতকেতুর্ন চক্ষমে। চকার চৈব মর্য্যাদামিমাং স্ত্রীপুংসয়োর্ভুবি ॥১৬॥
মানুষেষু মহাভাগে! ন ত্বেবান্যেষু জন্তুষু। ততঃ প্রভৃতি মর্য্যাদা স্থিতেয়মিতি নঃ শ্রুতম্ ॥১৭॥
ব্যুচ্চরন্ত্যাঃ পতিং নার্য্যা অদ্যপ্রভৃতি পাতকম্। ভ্রূণহত্যাসমং ঘোরং ভবিষ্যত্যসুখাবহম্ ॥১৮॥
ভার্য্যাং তথা ব্যুচ্চরতঃ কৌমারব্রহ্মচারিণীম্। পতিব্রতামেতদেব ভবিতা পাতকং ভুবি ॥১৯॥

ব্বানি, কবি মবমদগী অসিগুম্বা নিয়ম অসি চৎনখ্রিবনো হাযবদো শন্দোকন লীগে, তাও ॥৮॥ ঐখোয়না তাই— মমাংঙৈদা উদ্দলক হাযন কৌবা মহর্ষি অমা লৈরম্মি, শ্বেতকেতু হাযবা মাগী মচা অমসু লৈরম্মি, মহাকসু অচৌব মুনি অমা ওইরম্মি ॥৯॥ থম্বাল মিত্তা তাবী ! হাযরিবা শ্বেতকেতু হাযবসিনা নোংম শাওবদগী সুপীবু মনীং মথা তমনা মপান্দা থাদোকপগী নিয়ম অসি হৌদোকখি মাহগী মবম অহ ঐ লীগে তাও। ১০॥ নোংম ব্রাহ্মণ অমনা উদ্দালকগী মমাংমক্তদা শ্বেতকেতুগী মমা অদুবু খুদাং পায়দুনা "চৎসি, ঐখোয চৎলসি" অমুম্মা হেক হায়বম্মি ॥১১॥ অসি হাযরগা নমদুনা মমাবু পুথনা চৎহিবা অদু উবদা শ্বেতকেতুনা খাংবা ভমদদুনা অশাওবা যোংদোকখি। ১২॥ মতম অদুদা মপা উদ্দালকনা মচা শ্বেতকেতুনা যাম্না শাওবদু উবদা হাযখি— ইবুঙো। শ্বেতকেতু! শাওগনু, শাওগনু। মাসি সুপীগিংগী মতম কুইনদগী চৎনরকলবা অমনি ॥১৩॥ লৌকিক জগৎ অসিদা ব্রাহ্মণ-ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র বর্ণ মরিগী সুপী পুম্নমক ইমুং মনুংদা তঙ্কা-অপুম্ননা থম্বা অমদি লৈবদো তোকখ্রবনি। শল শরোই তমোমশিংনা মনীং মথা তম্না কোয়চৎ চঙ্গুনা শাম্নব অদুগুম্বা তইবংমী সুপীসু মাগী মাগী মমান্নবা জাত্তা মনীং তম্না চংনবি ॥১৪॥ অসুম তৌইদি হায়ববু মম কৈগী থবক থানাদা পুক্লিং চংদবা তৌদে, ঋতু কালগী ঋতুস্নান তৌরবদা মাগী মাগী মপুরোইবা নত্তনা অতোপ্প নিপা অমগা থক তিন্নদে ॥১৫॥ ঋষি মচা শ্বেতকেতুনা মমাংঙৈদগী চৎনরকলিবনি হাযবিব নিযম তু খাংবা ভমখিদে, অদুবু নিপা-সুপীশিংগী দমক্ত নিয়ম অসি অদুম থনমলো॥১৬॥ কুন্তি। ঐখোয়না তাববু মতম অদুদগী হৌনা মীওইবগী সমাজ হায়বা পোৎশক অমদি ব্বাহৈ অসি চৎনখ্রবনি, অদুমদি ওইরবদা মীওইবদ নত্তনা অতৈ অতোপ্পা জীবশিংগীদি সমাজ হায়বসি লৈতে অমদি চৎনরক্তে ॥১৭॥ ঙসিদগী হৌদুনা অদুগুম্বী সুপী অদুনা মপুরোইববু থাদোক্তুনা অতোপ্পা নিপাগা সংসর্গ তৌরবদি মচা মহাক অদু যৈথবগী পাপকা মান্নবা অকিরবী মশক ফংলবা পাপ যোনিদা শোযদনা ফংগনি ॥১৮॥ অদুগা কন্যা ওইরিঙৈ মতমদা ব্রহ্মচারিনী ওইবকপী অমসুং বিবাহগী মতুংদা মপুরোইবা নিংবী সতি

পত্যা নিযুক্তা যা চৈব পত্নী পুত্রার্থমেব চ। ন করোতি বচস্তস্যা ভবিষ্যত্যেতদেব হি ॥২০॥
ইতি তেন পুরা ভীরু। মর্য্যাদা স্থাপিতা বলাৎ। উদ্দালকস্য পুত্রেণ ধর্ম্ম্যা বৈ শ্বেতকেতুনা ॥২১॥
সৌদাসেন চ বামোরু। নিযুক্তা পুত্রজন্মনি। মদয়ন্তী জগামর্ষিং বশিষ্ঠমিতি নঃ শ্রুতম ॥২২॥
তস্মাল্লেভে চ সা পুত্রমশ্মকং নাম ভাবিনী। এবং কৃতবতী সাপি ভর্ত্তুঃ প্রিয়চিকীর্ষয়া ॥২৩॥
অস্মাকমপি তে জন্ম বিদিতং কমলেক্ষণে। কৃষ্ণদ্বৈপায়নাদ্ভীরু। কুরূণাং বংশবৃদ্ধয়ে ॥২৪॥
অত এতানি সর্ব্বানি কারণানি সমীক্ষ্য বৈ। মমৈতদ্বচনং ধর্ম্ম্যং কর্ত্তুমর্হস্যনিন্দিতে ॥২৫॥
ঋতাবৃতৌ রাজপুত্রি। স্ত্রিয়া ভর্ত্তা পতিব্রতে। নাতিবর্ত্তব্য ইত্যেবং ধর্ম্মং ধর্ম্মবিদো বিদুঃ ॥২৬॥
শেষেষন্যেষু কালেষু স্বাতন্ত্র্যং স্ত্রী কিলার্হতি। ধর্ম্মমেতং জনাঃ সন্তঃ পুরাণং পরিচক্ষতে ॥২৭॥
ভর্ত্তা ভার্য্যাং রাজপুত্রি। ধর্ম্ম্যং বাধর্ম্ম্যমেব বা। যদ্ব্রূয়াত্তত্তথা কার্য্যমিতি ধর্ম্মবিদো বিদুঃ ॥২৮॥
বিশেষতঃ পুত্রগৃদ্ধী হীনঃ প্রজননাৎ স্বয়ম্। যথাহমনবদ্যাঙ্গি। পুত্রদর্শনলালসঃ ॥২৯॥

ওইবীবু অমসুং থাদোক্তুনা অদুগুম্বা নিপা অদুনা অতোপ্পী অমগা তিন্নকয়বদি নিপা অদুসু হাযরিবা পাপ অসি ফংঙি ॥১৯॥ অদুগা অদুগুম্বী মুপী অদুনা ক্ষেত্রজ কৌবা মচাবু (*) পোক্লনবগীদমক মপুরোইবনা য়াথং পীরবফাওবদা মাদু য়াত্রবদি মহাক অদুসু হায়রিবা পাপ অসি ফংগনি ॥২০॥ কুন্তি। মমাংঙৈদগী হৌনা উর্দ্দালকগী মচা শ্বেতকেতুনা তপস্যাগী শক্তিনা ধর্ম্মনা তিন্নবা সমাজগী নিয়ম অসিবু লিংথংখি ॥২১॥ কুন্তি। ঐখোযনা তাববু, সৌদাস কৌবা নিংথৌনা মচা পোক্লনবগীদমক য়াথং পিরবদা মহাক্কী ভার্য্যা দময়ন্তীনা বশিষ্ঠগা লোয়না সংসর্গ তৌখি হায় ।২২॥ মহাক্না মপুরোইবদা পুক্নিং চংনা লৈথিবনা বশিষ্ঠগী ঔরসদগী অশ্মক কৌবা মচা ফংখি, মাদুমকসু মপুরোইবগী নীংবা থুংনবা তৌখিবা থবকনি ॥২৩॥ নিংথিজবী। কুরুবংশগী চাউখৎনবগীদমক বেদব্যাসগী ঔরসদগী ঐখোয় পুম্নমক্কা পোকপগী ৱারি নংনা থংলিবা অদু মডাই ॥২৪॥ মরম অদুনা পুম্নমক অসি য়ুন্না খল্লগা ঐনা নংঙোন্দা হায়রিবা নায়গী য়ুক্তি যুক্ত ওইবা ৱাহৈশিং অসিগা লোযননা তৌগদৌবা থবক অদু নংনা শীল্লু ॥২৫॥

মপুরোইবানিংবী। ঋতুগী মতমদা মুপীনা মপুরোইবা থাদোক্তুনা থবাই অমদি হকচাংনা অতোপ্পা নিপাদা পুক্নিং চংযদে, মাদুবু ধর্ম্ম খংবাশিংনা মুপীগী অথোইবা ধর্ম্মনি হায়না খংনৈ ॥২৬॥ অতৈ অতোপ্পা মতমদদি মুপীনা স্বাধীনতা ফংবা য়াই, মাসিমক মমাংঙৈগী চংনব্বা ধর্ম্মনি ৱা অসি সাধু মপুরোইবাশিংনসু হায়নদুনা লৈরিবনি ॥২৭॥ ধর্ম্মগী ৱা ওইগে ওইসনু ওইরোই তোকসনু, মপুরোইবনা হায়বা ৱা অদুতা মুপীনা তৌগদৌবনি, মাসি ধর্ম্ম খংবা মীশিংনা হায়নবা ৱানি ॥২৮॥ নিংথিজবী। ঐহাক মমাংঙৈদগী হৌনা ইচা য়াম্না পাম্বা নিপা অমানি, অদুবু মৃগ মুনিগী শাপতগী

(*) টিকা :— মহাক্কী ক্ষেত্রদা হায়বদি মুপীদা মহাক্কী য়াথং মতুংইন্না গুনদা অমদি জাতিদা অফবা নপা [illegible] পোকহনবা মচা অদুবু ক্ষেত্রজ পুত্র কৌই। মচা মথল তরানিথোইগী সংজ্ঞা অমদি হায়ম মথক্কী টীকাদা য়েংউ ॥

তথা রক্তাঙ্গুলিতলঃ পদ্মপত্রনিভঃ শুভে। প্রসাদার্থং ময়া তেঽয়ং শিরস্যভ্যুদ্যতোঽঞ্জলিঃ ॥৩০॥
মন্নিয়োগাৎ সুকেশান্তে! দ্বিজাতেস্তপসাধিকাৎ। পুত্রান্ গুণসমাযুক্তানুৎপাদয়িতুমর্হসি।
ত্বৎকৃতেঽহং পৃথুশ্রোণি! গচ্ছেয়ং পুত্রিণাং গতিম্ ॥৩১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তা ততঃ কুন্তী পাণ্ডুং পরপুরঞ্জয়ম্। প্রত্যুবাচ বরারোহা ভর্ত্তুঃ প্রিয়হিতে রতা ॥৩২॥
অধর্ম্মঃ সুমহানেষ স্ত্রীণাং ভরতসত্তম!। যৎ প্রসাদয়তে ভর্ত্তা প্রসাদ্যঃ ক্ষত্রিয়র্ষভ! ॥৩৩॥
পিতৃবেশ্মন্যহং বালা নিযুক্তাতিথিপূজনে। উগ্রং পর্য্যচরং বিপ্রং পুরা বৈ সংশিতব্রতম্ ॥৩৪॥
নিগূঢ়নিশ্চয়ং ধর্ম্মে যং তং দুর্বাসসং বিদুঃ। তমহং সংশিতাত্মানং সর্ব্বযত্নৈরতোষয়ম্ ॥৩৫॥
স মেঽভিচারসংযুক্তমাচষ্ট ভগবান্ বরম্। মন্ত্রং ত্বিমঞ্চ মে প্রাদাদব্রবীচ্চৈব মামিদম্ ॥৩৬॥
যং যং দেবং ত্বমেতেন মন্ত্রেণাবাহয়িষ্যসি। অকামো বা সকামো বা স তে বশমুপৈষ্যতি ॥৩৭॥
তস্য তস্য প্রসাদাত্তে রাজ্ঞি! পুত্রো ভবিষ্যতি। ইত্যুক্তাহং তদা তেন পিতৃবেশ্মনি ভারত ॥৩৮॥

ইচা পোকপা ওস্বাগী শক্তি অঙ্গদি লৈখিদরেদো, অদু ওইনমক করি মরমদগী ইচা পাল্লিবমো হায়বগী মরম অদু নংগী পেন্নবগীদমক্তা ঐগী অঙাংবা খুৎশা অসিনা মনাগী মতোওম তিন্নবা থম্বাল মাল্লবা, খুজোক অসি মকোক থক্তা থম্লিবা অসিনি ॥২৯-৩০॥ তিংদা য়াংদা ফজবী! ঐগী য়াথংগী মতুংইন্না কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ অমদগী নচা পোক্কবা তৌ, নং লৈজবনা অমদি নংগীদমক্তা, মচা পোকপা নিপা অমনা কংখিগদৌবা লোক অদো ঐন্দু ফংবা ওমগনি ॥৩১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— পাণ্ডুনা অসুম হায়রবদা, তিংদা যাংদা ফজবী, মপুরোইবগী কান্নবা অমদি নুংশিবা থবক্তা পুক্নিং চংলবী কুন্তী দেবীনা য়েক্লবগী লৈবাকপু ওন্নবা মপুরোইবা পাণ্ডুদা হায়খি— মপুরোইববু পোন্নবা তৌবা হায়বসি নুপীগী অথোইবা মথৌনি; অসিগুম্বা অকস্থাদা নুপীবু মপুরোইবনা পেনহনথ্রবা থবক অদু নুপীগী মফমদদি থোইদোক্না কল্লবা অধর্ম্ম অমনি ॥৩৩॥* মরে, অদুম্ব অদু ওইরে মমাংদা ঐনা ইপাগী য়ুমদা কন্যা ওইদুনা লৈরিঙৈদা, নোংম ব্রত কল্লবা অমদি শাওগল্লবা ব্রাহ্মণ অমগী অতিথি সেবা তৌজরম্মি ॥৩৪॥ মহাকপু মী পূম্নমক্ক ধর্ম্মগী অকুপ্প ওত্ত থংল্লবা দুর্বাসা অদুম হায়না খংনৈ। ঐন্দু পূকচেল চাওরবা মহর্ষি অদুবু হিরম পুম্নমক্তা পেন্নবা হোৎনজরম্মি ॥৩৫॥ ঐনা তৌরিবা সেবা অদুদা পেনখিথ্রুনা পূকচেল চাওরবা মহর্ষি অদুনা ঐঙোন্দা মীবু শুমহত্ত্রনা মথা পোল্লহনবা অমদি কৌবা 'তন্ত্রা বশীকরণ কৌবা মন্ত্র অদু পীরম্মি, মাদু পীরগা ঐঙোন্দা হায়খিঃ— "মন্ত্র অসিনা নংনা হেক কৌনিং কৌনিংব দেবতা অদো করিগুম্ব আশা অম তৌদুনা নত্রগা তৌদনা লাকলগা মংগী নখা পোনজগনি ॥৩৬-৩৭॥ নিংথৌগী মচা নুপী! অদুম অদুম ওইব দেবতাগী তৌজালনীংদু নংগী মচা মংবা ওইগনি। অদুনা মহারাজ! অঙাং ওইরিঙৈদা উপাধ্যা

---

*টিপ্পনীঃ— মাসিগী অথতি মচা লৈজবা মপুরোইবনু "অতোপপীদা ইচা মখুনবা পীদু" অদুম হায়না তক্কবী নুপীগী অনাম্বু মচাপোকপা মপুরোইবা অদুনা ঙাকহনবদু, হায়রিবা অসি ওন্না লৈনা নিপা অদুনা মাগী নুপীদা হায়লবমি মতমদি "অতোপ্পা নিপাগী ঐরপগী ইচা মখনবা পীদু" হায়রবসি মসি নুপীগী মফমদি পাপনি।

ব্রাহ্মণস্য বচস্তথ্যং তস্য কালোঽয়মাগত। অনুজ্ঞাতা ত্বয়া দেবমাহ্বয়েয়মহং নৃপ ! ॥৩৯॥
যাং মে বিদ্যাং মহারাজ ! অদদাৎ স মহাযশাঃ। তয়াহূতঃ সুরঃ পুত্রং প্রদাস্যতি সুরোপমম্ ॥৪০॥
অনুজানীহি ভদ্রং তে দৈবতং হি পতিঃ স্ত্রিয়ঃ। যং ত্বং বক্ষ্যসি ধর্ম্মজ্ঞ ! দেবং ব্রাহ্মণমেব চ ॥৪১॥
যথাদ্দিষ্টং ত্বয়া বীর ! তৎ কর্ত্তাস্মি মহাভুজ ! । দেবাৎ পুত্রফলং লব্ধ্বা বিপ্রাৎ কাম্যন্তু ন ভবেৎ ॥৪২॥
আবাহয়ামি কং দেবং কদা বা ভরতর্ষভ ! । ত্বত্ত আজ্ঞাং প্রতীক্ষন্তীং বিদ্ধ্যস্মিন্ কর্ম্মণীপ্সিতে ॥৪৩॥

পাণ্ডুরুবাচ।

ধন্যাঽস্ম্যনুগৃহীতাঽস্মি ত্বং নো ধাত্রী কুলস্য হি। নমো মহর্ষয়ে তস্মৈ যেন দত্তো বরস্তব ॥৪৪॥
অদ্যৈব ত্বং বরারোহে ! প্রযতস্ব যথাবিধি। ধর্ম্মমাবাহয় শুভে ! স হি দেবেষু পুণ্যভাক্ ॥৪৫॥
অধর্ম্মেণ ন নো ধর্ম্মঃ সংযুজ্যেত কথঞ্চন। লোকশ্চায়ং বরারোহে ! ধর্ম্মোঽয়মিতি মন্যতে ॥৪৬॥
ধার্ম্মিকশ্চ কুরূণাং স ভবিষ্যতি ন সংশয়ঃ। দত্তস্যাপি চ ধর্ম্মেণ নাধর্ম্মে রংস্যতে মনঃ ॥৪৭॥
তস্মাদ্ধর্ম্মং পুরস্কৃত্য নিয়তা ত্বং শুচিস্মিতে ! । উপচারাভিচারাভ্যাং ধর্ম্মমাবহয়স্ব বৈ ॥৪৮

লৈরিবৈদা দুর্বাসা মুনিনা ঐভোন্দ অসুম হায়খি ॥৩৮॥ ব্রাহ্মণ অদুনা হায়খিবা ৱাদু চুম্ব্রা হায়ন য়েংবগী অমদি মন্ত্র অদু শীজিন্নবগী চপচাবা মতম অদু হৌজিক ওইরক্লে। অদুনা মহারাজ ! মহারাজনবু য়াবিরবদি কনাগুম্বা দেবতাবু ঐ হৌজিক মহারাজগী মাংদা কৌজগে ॥৩৯॥ মহারাজ ! পুকচেল চাওরবা মহর্ষি অদুনা পীরম্বা মন্ত্র অসিনা ঐনা হৌজিক কনাগুম্বা দেবতা অমবু কৌববদি মহাক্না শোয়দনা দেবতাগা মান্নবা ইচা পীবিরমগনি ॥৪০॥ মহারাজগী মঙ্গল ওইসনু, যাথং পীনবিয়ু, মবমদি মুপীগীদি মপুন্নোইবতনা দেবতানি। হে ধর্ম্মথংলব ! নহাক্না তাকপীবা দেবতা নত্রগা ব্রাহ্মণ ঐ হৌজিক কৌজগে ॥৪১॥ অকনবা ! নহাক্না তাকপীখিবদো ঐ তৌজরগে, দেবতাদগীদি হৌজিমক খুদক্ত ফংগনি অদুগা ব্রাহ্মণদগীদি মতম খরা লৈরগা ইচা অদু ফংগনি ॥৪২॥ হে ভরতশাগেগী অথোইবা ! তাকপিয়ু করম্বা দেবতাবু কৌজো হায়বগে ? অদুগা কৈদোউঙে কৌজো হায়বগে ? নহাকনা পাম্বা থবক অসি পাংথোকনবা নহাকী য়াথংত ঙাইদুনা লৈজারবনি হায়না খংবিয়ু ॥ ৪৩ ॥ পাণ্ডুনা হায়খি — এ অঙ্গদি মুঙাইরে, মুঙাইরে ! ধন্যনি কুন্তী ! নংতনা ঐথোয়গী বংশগী মরীবু তংহন্দবী হায়বদু ওইরে। নঙোন্দা বর অসি পীবিরম্বা দুর্বাসা অদুবু ঐনা হন্না হন্না খুকমজরি ॥৪৪॥ মঙ্গলগী মশক ওইরবী ! মুঙাইরে ঙসিমক ইচা ফংননবা বিধি অদু কায়দনা নংনা শীল্লুঃ নং ধর্ম্মরাজবু আবাহন তৌ, মরমদি মহাক্তি দেবতা পুন্নমক্কগী খব্বাইদগী হেন্না মচা লৈবা দেবতা অমনি ॥ ৪৫ ॥ অম ওইরবদি প্রজা পুন্নমকপু য়োকপা ঙাকপগী ধর্ম্ম অসিনা করিগুম্বা মতমদা অধর্ম্মগা থক তিন্নরোই অদুগা প্রজা পুন্নমক্না মখোয়বু ঙাক্কদৌরিবা নচা নিংথৌ অদুবু থাংগৈশেংবা ধর্ম্মমক্কী অবতারনি হায়নগনি ॥ ৪৬ ॥ অদুগা মচা অদুতনা কৌরব শাগেগী মনুংদা খব্বাইদগী ধর্ম্মচেনবা হায়বত্ত ওইগনি; মাসিদা থক চিংনরুরগনু। মরমদি ধর্ম্মরাজ মশামক্না পোকপীরবা নচা অদুনা করিগুম্বদা মশামক্না অধর্ম্মগী মায়কৈদা চংশিনবা অমাদি শীবু চংহনবা থক তৌবা হৌনদ্রে ॥ ৪৭ ॥ মরম অদুনা কুন্তি ! ধর্ম্মতবু দেবতাশিংগী মনুংদা অথোইবনি হায়দুনা থব্বাই হকচাং অমতা ওইনা ইন্দ্রিয় থুদুম চন্দুনা নংগী মন্ত্র অদুনা নিংথিনা সাধন

বৈশম্পায়ন উবাচ।

সা তথোক্তা তথেত্যুক্ত্বা তেন ভর্ত্রা বরাঙ্গনা। অভিবাদ্যাভ্যনুজ্ঞাতা প্রদক্ষিণমবর্ত্তত ॥৪৯

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

সম্ভবে কুন্তীপুত্রোৎপত্ত্যনুজ্ঞানে ষোড়শাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:*:——

তৌদুনা ধর্ম্মরাজবু আবাহন তৌরো ॥৪৮॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি,— পাণ্ডুনা অদুম য়াথং পীরবদা কুন্তীনা "ফরে অহুমঙাইবে" হায়দুনা পাণ্ডুদা হান্না থৃমলগা, মপুরোইবগী য়াথং মতুংইন্না থবক অদু পাংথোক্নবা হোৎনখি ॥৪৯॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা

সম্ভবতা কুন্তীপুত্রোৎপত্ত্যনুজ্ঞান কৌবা চাম-তরাতকক শুবা অধ্যায লোইরে ॥০॥

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে পাণ্ডবোৎপত্তির্নাম।

(মীরোল নিংথৌবোল পোকপগী মতাংদা পাণ্ডব উৎ পত্তিগী ৱারী)

(চামা তরাতরেৎ শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

সংবৎসরধৃতে গর্ভে গান্ধার্য্যা জনমেজয়। আজুহাব ততো ধর্ম্মং কুন্তী গর্ভার্থমচ্যুতম্ ॥১॥

সা বলিং ত্বরিতা দেবী ধর্ম্মায়োপজহার হ। জজাপ মন্ত্রং বিধিবদ্দত্তং দুর্ব্বাসসা পুরা ॥২॥

আজগাম ততো দেবো ধর্ম্মো মন্ত্রবলাত্ততঃ। বিমানে সূর্য্যসঙ্কাশে কুন্তী যত্র জপস্থিতা ॥৩॥

বিহস্য তাং ততো ব্রূয়াঃ কুন্তি! কিন্তে দদাম্যহম্। সা তং বিহস্যমানাপি পুত্রং দেহ্যব্রবীদিদম্ ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— জনমেজয়! গান্ধারীনা চহি অমা চুপনা গর্ভ পুরুক্লবা অদুৱাইদা কুন্তীনা গর্ভ পুগে হায়বদী দমক ধর্ম্মরাজবু অবাহন তৌখি ॥১॥ কুন্তী দেবীনা থুনা য়াংনা ধর্ম্মরাজগী পূজাগীদমক অথেনলোৎ লাংদুনা থমখি, মমাংদৈদা দুর্ব্বাসানা তম্বীথিবা মন্ত্র অদু ভুম্মিন্ন থবাই হকচাং অমতা ওইনা জপ তৌবা হৌরক্লে ॥২॥ অদুগী মতুংদা ধর্ম্মরাজসি মন্ত্র অদুগী আকর্ষণ শক্তিনা মুমিংকী মঙেকা মান্নবা লংলবা রথ অমদা তোংলদুনা কুন্তীনা জপ তৌরিবা মফম অদুমক্তদা থুংলরে ॥৩॥ অদুগী মতুংদা ধর্ম্মরাজনা নোক্লদুনা কুন্তীদা হায়খি— কুন্তী! করি পামই হায়দু। কুন্তীসু নোক্লদুনা ইচা পিবিরস্যু

তস্মিন্ বহুমৃগে রম্যে শতশৃঙ্গ নগোত্তম । পাণ্ডোরর্থে মহাভাগা কুন্তী ধর্ম্মমুপাগমৎ ॥৫॥
ঋতুকালে শুচিঃ স্নাতা শুক্লবস্ত্রা যশস্বিনী । শয্যাং জগ্রাহ সুশ্রোণী সহ ধর্ম্মেণ সুব্রতা ॥৬।
ধার্ম্মেণ সহ সঙ্গম্য যোগমূর্ত্তিধরেণ সা । লেভে পুত্রং বরারোহা সর্বপ্রাণিহিতে রতম্ ॥৭॥
ঐন্দ্রে চন্দ্রসমাযুক্তে মুহূর্ত্তেঽভিজিতেঽষ্টম । দিবা মধ্যগতে সূর্য্যে তিথৌ পূর্ণেঽতি পূজিতে ॥৮।
সমৃদ্ধযশসং কুন্তী সুষাব প্রবরং সুতম । জাতমাত্রে সুতে তস্মিন্ বাগুবাচাশরীরিণী ॥৯॥
এষ ধর্ম্মভৃতাং শ্রেষ্ঠো ভবিষ্যতি নরোত্তমঃ । বিক্রান্তঃ সত্যবাক্ চৈব রাজা পৃথ্ব্যাং ভবিষ্যতি ॥১০॥
যুধিষ্ঠির ইতি খ্যাতঃ পাণ্ডোঃ প্রথমজঃ সুতঃ । ভবিতা প্রথিতো রাজা ত্রিষু লোকেষু বিশ্রুতঃ ॥১১॥
যশসা তেজসা চৈব বৃত্তেন চ সমন্বিতঃ । ধার্ম্মিকং তং সুতং লব্ধ্বা পাণ্ডুস্তাং পুনরব্রবীৎ ॥১২॥
আহুঃ ক্ষত্রং বলজ্যেষ্ঠং বলশ্রেষ্ঠং সুতং বৃণু । ততস্তথোক্তা ভর্ত্রা তু বায়ুমেবাজুহাব সা ॥১৩।
ততস্তামাগতো বায়ুর্মৃগারূঢ়ো মহাবলঃ । কিন্তে কুন্তি ! দদাম্যদ্য ব্রূহি যত্তে হৃদি স্থিতম্ ॥১৪॥
সা সলজ্জা বিহস্যাহ পুত্রং দেহি সুরোত্তম ! । বলবন্তং মহাকায়ং সর্ব্বদর্পপ্রভঞ্জনম ॥১৫॥

অস্থম হায়না থুমখি ॥৪॥ চীংগী মরক্তগী অথোইবা শতশৃঙ্গ কোবা চীংগী চীংদোন্দা শা উচেক না থল্লবা বন অমগী মনুংদা লাইবক ফবী কুন্তীনা পাণ্ডুগী দমক্তা ধর্ম্মরাজগা উনখি ॥৫॥

তিংদা যাংদা ফজববী, মপুরোইবা নিংলবী অমসুং মিংচৎ চাউরবী কুন্তী দেবীনা ঋতু স্নান তৌরবা তুংদা থরাই হকচাং তশেং তশেংনা, অশেংবা তক-তকবা ফিজোন শেত্নুনা ধর্ম্মরাজগা শয্যা অমতদা তিপমিন্নখি ॥৬॥ তিংদা য়াংদা ফজরবী কুন্তী দেবীনা, যোগগী পান্থেনা মীওইবগী হকচাং পুরবা ধর্ম্ম দেবগা লোয়ননা সংসর্গ তৌহুনা জীব পানবা পুম্নমক্কী কান্নবদা থল্লবা মচানিপা অমা পোকখি ॥৭॥ কালেন থা চংলকপদা, চন্দ্রমানা তিল্লবা জ্যেষ্ঠা নক্ষত্রদা, দিবা ভাগদা, অভিজিৎ কোবা নিপাল শুবা মুহূর্ত্তদা, সূর্য্যনা আকাশগী ময়াইচবুক্ত লৈব কান্দা অমসুং জ্যোতিষকী করিগুম্বা দোষ অমতা য়াওদ্রবা পূর্ণিমা তিথিদা কুন্তী দেবীগী থোইদোক্লা মিংচৎ চাউরবা মচানিপা অহল অসি পোকখি। অঙাং অসি পোকপা মতমদা দেবতাশিংনা আকাশ বাণী তৌখি ॥৮—৯॥ "অঙাং অসি, ধর্ম্ম চেনবগী মনুংদা খ্বাইদগী হেনবা, মীগী মনুংদা অথোইবা, মপাঙ্গল চাউরবা, অচুম্বতা ঙাংবা, পৃথিবী পুম্বগী নিংথৌ অমা ওইরক্কনি" ॥১০॥ "পাণ্ডুগী অহানবা মচাসে যুধিষ্ঠির অস্থম হায়না মরোল অহুমদা ফাউরবা নিংথৌ অমা ওইরগনি" ॥১১॥ 'মিংচত্তা তেজদা অমদি অকবা লমচত্ত পান্দথনিংঙাই লৈতনা গুণ পুন্নমক্না তিনগনি"। পাণ্ডুনা ধর্ম্ম চেনবা মচা অসিবু ফংলবা মতুংদা কুন্তীদা অমুক হায়খি ॥১২॥ কুন্তী ! ক্ষত্রিয় জাতিগীদি পাঙ্গলনা অথোইবা গুণনি হায়রে। মরম অদুবা পাঙ্গলদা খ্বাইদগী অথোইবা নচানিপা অমগা অমুক নিয়ু। পাণ্ডুনা অস্থম হায়রগা পিরবদা কুন্তীনা বায়ু দেবতাবু অমুক আবাহন তৌখি ॥ ১৩॥ অদুগী মতুংদা থোইনা কল্লবা বায়ু দেবতা লাকলা অদুগী মফমদা লাক্লা হায়খি— কুন্তী। করি পীনুগে হায়বু অংগী অপাম্বা করিনো ? হায়বিযু ॥১৪॥ কুন্তীনা নোক্নুনা ইকাই-ইকায়না হায়খি— দেবতা পুম্নমক্কী অথোইবা। অদু

তস্মিঞ্জাতে মহাবাহুর্ভীমো ভীমপরাক্রমঃ। তমপ্যতিবলং জাতং বাগুবাচাশরীরিণী ॥১৬॥
সর্ব্বেষাং বলিনাং শ্রেষ্ঠো জাতোঽয়মিতি ভারত। ইদমত্যদ্ভুতঞ্চাসীজ্জাতমাত্রে বৃকোদরে ॥১৭॥
যদঙ্কাৎ পতিতো মাতুঃ শিলাং গাত্রৈরচূর্ণয়ৎ। কুন্তী ব্যাঘ্রভয়োদ্বিগ্না সহসোৎপতিতা কিল ॥১৮॥
নাববুধ্যত তং সুপ্তমুৎসঙ্গে স্বে বৃকোদরম্। ততঃ স বজ্রসংঘাতঃ কুমারো ন্যপতদ্গিরৌ ॥১৯॥
পততা তেন শতধা শিলা গাত্রৈর্বিচূর্ণিতা। তাং শিলাং চূর্ণিতাং দৃষ্ট্বা পাণ্ডুর্বিস্ময়মাগতঃ ॥২০॥
যস্মিন্নহনি ভীমস্তু জজ্ঞে ভরতসত্তম। দুর্য্যোধনোঽপি তত্রৈব প্রজজ্ঞে বসুধাধিপ ॥২১॥
মাঘ চন্দ্রমসা যুক্তে সিংহে চাভ্যুদিতে গুরৌ। দিবা মধ্যগতে সূর্য্যে তিথৌ পুণ্যে ত্রয়োদশে।
পিত্র্যে মুহূর্ত্তে সা কুন্তী সুষুবে ভীমমচ্যুতম্ ॥২২॥
জাতে বৃকোদরে পাণ্ডুরিদং ভূয়োঽন্বচিন্তয়ৎ। কথং নু মে বরঃ পুত্রো লোকশ্রেষ্ঠো ভবেদিতি ॥২৩॥
দৈবে পুরুষকারে চ লোকোঽয়ং সম্প্রতিষ্ঠিতঃ। তত্র দৈবন্তু বিধিনা কালযুক্তেন লভ্যতে ॥২৪॥
ইন্দ্রো হি রাজা দেবানাং প্রধান ইতি নঃ শ্রুতম্ অপ্রমেয়বলোৎসাহো বীর্য্যবানমিতদ্যুতিঃ ॥২৫॥
তং তোষয়িত্বা তপসা পুত্রং লপ্স্যে মহাবলম্। যং দাস্যতি স মে পুত্রং স বরীয়ান্ ভবিষ্যতি ॥২৬॥

মউ ফরবা, চাউ শাংলবা, অকনবা পুন্নমক্তী নাপল য়ৈথৎপা ওন্নবা, মপাঙ্গল চাউরবা ইচানিপা অমা পীহিরম্মু ॥১৫॥ বায়ু দেবতগী অকিবা যংনা কল্লবা ভীমসেন পোকখি। অদুং অদুবু য়েংদুনা আকাশতগী দেববানীনা অসুম হায়না হায়খি— "অঙাং অসে খুদিংগী থোইদোক হেন্দোকপা নিপা অমা ওইগনি"। মহারাজ! ভীমসেন অসি পোকপা মতমদা অঙকপা থৌদোক বয়া থোকখি ॥১৬-১৭॥ অঙাং অসি হেক পোকপদা মমাগী হেম্পাক্তুগী নশুখিদুনা সুং অমগী মথক্তা তাখিবদা সুং অদু অফুল মরিক অমমম ওইনা পুমত্তে ই তোইখি। মরমদি কুন্তীনা কৈগী খেংল্লেল তাবদা বিচুনা যুক হৌগত্তুনা তেথক-তেথক্তা লেপ্পুনা লৈখি ॥১৮॥ অঙাং অদুনা হেম্পাক্তা তুমদুনা লৈরিঙৈ মতমদদি কুন্তীগী মকমদা অকল্বগী শরুক করিমত্তা কাওরে, ইয়াং য়াংডি; অদুমক্তমা বভুগা মাংনা কল্লবা অঙাং অদুনা সুং অমগী মথক্তা ওন্থিবনি ॥১৯॥ অঙাং অসিনা তাখিবদা মহাক্তী হকচাংনা যুবদা সুং অদু মচেৎ চাম থেক্লা কাযখি; সুং অদু কায়বা উবনা পাণ্ডু অসি পুমঙক ওকখি ॥২০॥

মহারাজ! ভীম পোকপা সুমিৎ অহদা দুর্য্যোধনসু পোবখি ॥২১॥ লমদা থাগী নিস্মাং তারা হুমদোইনি পাম্নবদা, বৃহস্পতিনা চংলকপদা, মঘানক্ষত্রদা চন্দ্রমানা সিংহদা লৈরিবৈদা, সূর্য্যনা আকাশগী মরাই চপ চাদা লৈরিবৈদা, মিপাল শুবা মুহূর্ত্তদা কুন্তীদেবীনা মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা ভীমসেনবু পোকখি ॥২২॥ ভীমমা পোক্লবা মতুংদা পাণ্ডুনা অমুক চিন্তা তৌখি—মীময়ক্তুগী অথোইবা অমসুং অবনবা লানহৈবশিংগী মচিবা ইচা অমতংগা করম হায়না পোকশিবা ॥২৩॥ জগৎ অসিদি মরাইবক্তা তথা অমদি মিপাথোকনা লোম্বা অনি অসিগী মথক্তা নম্দুনা লৈরিবনি, মাসিগী মনুংদা মিপা থোকমা লোম্বা হায়রবা অসিত্তনা লাইবক্তা তম্নকপবু ফংবা ওস্মি ॥২৪॥ ইন্দ্র হায়বা অসি-ত্তা লাই পুম্নমক্তী মিংথৌনি অমদি অথোইবনি; মহাক্তী মপাঙ্গল অমসুং মথৌনা কনানসু লেপ্পবা ঙমদে অমসুং থৌবা অমদি তেজ লৈবদা শরাইগা মাংরদে ॥২৫॥ তপস্যাগী পাঙ্গমা ইন্দ্রবু

অমানুষান্ মানুষাংশ্চ সংগ্রামে স হনিষ্যতি। কর্মণা মনসা বাচা তস্মাত্তপ্যে মহত্তপঃ ॥২৭॥
ততঃ পাণ্ডুর্মহারাজ! মন্ত্রয়িত্বা মহর্ষিভিঃ। দিদেশ কুন্ত্যাঃ কৌরব্য! ব্রতং সাংবৎসরং শুভম্ ॥২৮॥
আত্মনা চ মহাবাহুরেকপাদস্থিতোঽভবৎ। উগ্রং তপঃ স আস্থায় পরমেণ সমাধিনা ॥২৯॥
আরিরাধয়িষুর্দেবং ত্রিদশানাং তমীশ্বরম্। ভার্যায়া সহ ধর্মাত্মা পর্য্যতপ্যত ভারত! ॥৩০॥
তন্তু কালেন মহতা বাসবঃ প্রত্যপদ্যত। শক্র উবাচ। পুত্রং তব প্রদাস্যামি ত্রিষু লোকেষু বিশ্রুতম্ ॥৩১॥
ব্রাহ্মণানাং গবাঞ্চৈব সুহৃদাঞ্চার্থসাধকম। দুর্হৃদাং শোকজননং সর্ববান্ধবনন্দনম ॥৩২॥
সুতং তেঽগ্র্যং প্রদাস্যামি সর্বামিত্রবিনাশনম্। ইত্যুক্তঃ কৌরবো রাজা বাসবেন মহাত্মনা ॥৩৩॥
উবাচ কুন্তীং ধর্মাত্মা দেবরাজবচঃ স্মরন্। উদর্কস্তব কল্যাণি! তুষ্টো দেবগণেশ্বরঃ ॥৩৪॥
দাতুমিচ্ছতি তে পুত্রং যথা সঙ্কল্পিতং হৃদা। অতিমানুষকর্মাণং যশস্বিনমরিন্দমম্ ॥৩৫॥
নীতিমন্তং মহাত্মানমাদিত্যসমতেজসম্। দুরাধর্ষং ক্রিয়াবন্তমতীবাদ্ভুতদর্শনম্ ॥৩৬॥
পুত্রং জনয় সুশ্রোণি! ধাম ক্ষত্রিয়তেজসাম্। লব্ধঃ প্রসাদো দেবেন্দ্রাত্তমাহ্বয় শুচিস্মিতে! ॥৩৭॥

পেল্লম্নুনা কল্লবা ইচা অমতা যংনবা হোংনগে। মরমদি ইন্দ্রনা পীবা ইচা অদুতনা অকনবা পুন্নমক্কী থবাইদগী অথোইবা ওইগনি ॥২৬॥ অদুগুম্বা ইচা অদুনা কানফমদা দৈত্য দানব অমদি অকনবা মী কযা হাৎলগদবনি। মরম অদুনা থবাই হকচাং অমতা ওইনা ইন্দ্রগী বর ফংনবা তপস্যা তৌথগে ॥২৭॥ মহারাজ! অসিগী মতুংদা পাণ্ডুনা মহর্ষিথিক্কা য়া তান্নদুনা চহি অমা চুপ্পা কুন্তিবু মাঙ্গলিক ব্রত তৌ হায়না যাথং পীখি ॥২৮॥ পাণ্ডু মশামকম্মু থবাই হকচাং অমতা ওইনা পুকনিং অনি লোংদনা মখুৎনামা খঙ্গতুনা মখোং নামা খাঙ্গৎতুনা তপস্যা তৌখি ॥২৯॥ মহাকনা দেবরাজগী অরাধনা তৌগে হায়বগীদমক অদিবা ফংনা বল্লবা তপস্যা তৌখি ॥৩০॥

পাণ্ডুনা মতম কুইনা কুন্তীগা লোয়ননা তপস্যা তৌরবা তুংদা নোংম, ইন্দ্রনা লাক্কুনা হায়খিঃ- ঐনা নঙোন্দা নচা অম পীগনি, মহাক অদুদি মবোল অহুমদা ফাওগনি, যথ ব্রাহ্মণ, শাগৈ-নাতৈ মরূপ-মপাং পুন্নমক্কী কান্নবা থবক্তা তৌগনি, য়েক্লবশিংগী থম্মোইদা অৱাব অকিবা পীগনি। ধর্মচেনবা শাগৈ-নাতৈ, মরূপ মপাং পুম্নগী থম্মোইদ নুংঙাইব পোকহনগনি, অসিগুম্বা য়েক্লব পুম্নমক ভুম্বা, থবাইদগী ফেল্লবা নচা অমা ঐনা পীগনি, পূকচেল চাওরবা দেবরাজ ইন্দ্রনা পাণ্ডুদ অসুম হায়রগা মাংখোকখে ॥৩১—৩৩॥ ধর্ম চেল্লবা পাণ্ডুনা দেবরাজ ইন্দ্রগী য়া তাবদ কুন্তীদ হায়ঃ— মঙ্গলগী মশক ওইবী! ইন্দ্রনা য়াম্না পেংবিরমলে অদুনা, মাসিগী মহৈদি অকবত ওইগনি ॥৩৪॥ ইন্দ্রনা ঐঙোন্দা ঐনা পামজরিবা ইচা অহুমক পীবিগে হায়না নীংখরে ॥৩৫॥ অদুনা নীংথিজবী! মীনা পাক ক্ষমতা থবক তৌবা ঙম্বা, মিংচৎ চাওরবা, য়েক্লব পূম্ব নমথৎপ ঙম্বা, নীতিশাস্ত্র হৈব, পূকচেল চাওব, নুমিৎকী মতৌগুম তেজ হৈব অতোপ্প অমনা ঙমকত্রব, অকাব থবক্ত তৌগনব, অঙকপা শাওং শাদা পুবা, অমদি ক্ষত্রিয়গী তেজ পুন্নমক্কী তুংনকম ওইবা অসিগুম্ব নচা অমতংগা পোক্লনবা পীব্রু। ঐখোয়না ভসি দেবরাজগী থৌজাল ফংলবনিনা, মহাকমকপু নংনা আবাহন তৌ ॥৩৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তা ততঃ শক্রমাজুহাব যশস্বিনী। অথাজগাম দেবেন্দ্রো জনয়ামাস চার্জ্জুনম্ ।।৩৮।।
উত্তরাভ্যাস্তু পূর্ব্বাভ্যাং ফাল্গুনীভ্যাং ততো দিবা। জাতস্তু ফাল্গুনে মাসি তেনাসৌ ফাল্গুনঃ স্মৃতঃ ।।৩৯।।
জাতমাত্রে কুমারে তু তস্মিন্ বাগশরীরিণী। মহাগম্ভীরনির্ঘোষা নভো নাদয়তী তদা ।।৪০।।
শৃণ্বতাং সর্ব্বভূতানাং তেষামাশ্রমবাসিনাম। কুন্তীমাভাষ্য বিস্পষ্টমুবাচেদং শুচিস্মিতাম্ ।।৪১।।
কার্ত্তবীর্য্যসমং কুন্তি! শিবতুল্যপরাক্রমং। এষ শক্র ইবাজেয়ো যশস্তে প্রথয়িষ্যতি ।।৪২।।
অদিত্যা বিষ্ণুনা প্রীতির্যথাঽভূদভিবর্দ্ধিতা। তথা বিষ্ণুসমঃ প্রীতিং বর্দ্ধয়িষ্যতি তেঽর্জ্জুনঃ ।।৪৩।।
এষ মদ্রান্ বশে কৃত্বা কুরূংশ্চ সহ সোমকৈঃ। চেদি-কাশি করূষাংশ্চ কুরুলক্ষ্মীং প্রধাস্যতি। ৪৪।।
এতস্য ভুজবীর্য্যেণ খাণ্ডবে হব্যবাহনং। মেদসা সর্ব্বভূতানাং তৃপ্তিং যাস্যতি বৈ পরাম ।।৪৫।।
গ্রামণীয়ান্ মহীপালানেষ জিত্বা মহাবলঃ। ভ্রাতৃভিঃ সহিতো বীরস্ত্রীন মেধানাহরিষ্যতি ।।৪৬।।
জামদগ্ন্যসমঃ কুন্তি! বিষ্ণুতুল্যপরাক্রমং। এষ বীর্য্যবতাং শ্রেষ্ঠো ভবিষ্যতি মহাযশাঃ ।।৪৭।।
এষ যুদ্ধে মহাদেবং তোষয়িষ্যতি শঙ্করম্। অস্ত্রং পাশুপতং নাম তস্মাত্তুষ্টাদবাপ্স্যতি ।।৪৮।।
নিবাতকবচা নাম দৈত্যা বিবুধবিদ্বিষ। শক্রাজ্ঞয়া মহাবাহুস্তান্ বধিষ্যতি তে সুতঃ ।।৪৯।।

বৈশম্পায়ননা হায়খি —পাণ্ডুনা অসুম হায়ববদা কুন্তীনা ইন্দ্রবু মন্ত্রনা আবাহন তৌখি। অতুগী তুংদা ইন্দ্র লাক্লে, কুন্তীগী গর্ভদা মচা পীবমলে ।।৩৮।। অতুগী তুংদা, ফাইরেন থাদ, দিবাভাগদা পূর্ব্বফল্গুনী অমদি উত্তরফলগুনী বৌব নক্ষত্র অনিগী সন্ধি ওইব মুহূর্ত্তদা অঙাং অসি পোকখী ফাল্গুন থাদা অমদি ফল্গুনী নক্ষত্রদা পোকই হায়দুনা অঙাং অসিগী মমিং "ফাল্গুন" অসুম হায়না থোনখি ।।৩৯।। অঙাং অসি পোকপা মতমদা আকাশ পুম্নমক শীন্থুংনা নিম্না, লূপ্রব লেম্লব খোঞ্জেল্লা দেবতাশিংনা লাওখি— দেববানী অসিনা কুন্তীবু কৌতুনা. অ'শ্রম অতুদা লৈরিবা, তাইবংমী, শা-উচেক পুম্নমক্না তশেং তশেংনা তান, খরাইগী মাংদা অসুম [illegible] লাওখি ।।৪০ ৪১।। কুন্তী! নংগী নচা অসে, কার্ত্তবীর্য্যার্জ্জুনগা অমা ওইন তেজ লৈরবা, মহাদেবমক্কা মান্নবা বল্লবা, দেবতা অমনা ভমফত্রবা ইন্দ্রগুম্বা মীশক অমা ওইদুনা নংগী মিংচৎপু মাইকৈপুম্বদা শন্দোক্লনিক্কো! ৪২।। বামণগী মশক লৌরগা নারায়ণনা অদিতিগী নুঙাইববু পীখিবা অদুগুম্লদুনা নারায়ণগা মান্নরব নচা অসিনা নংঙোন্দ ভুমখৈ লৈতনা নুংঙাইব পীরখিনি ।।৪৩।। অঙাং অসিনা মতমগী মতুংইন্না মদ্র, কুব, সোমক, চেদি, কাশী অমসুং করূষ দেশগী নিংথৌশিংবু মথা পেৎলহল্লদুনা কুরুবংশগী রাজ লক্ষ্মীবু যাম্না চাউখৎহলগনি ।।৪৪।। অগ্নিদেবমক্না মহাক্কী পাম্বোমগী পাগল্লা খাণ্ডববনবু অমসুং মাতুদা লৈবা জীবজন্তু পুম্নমকপু চাদুনা য়াম্না পেনগনি ।।৪৫।। অঙাং অসিনা মচিনমনাও পুমনমক্কা লোয়ননা অচৌ অচৌবা নিংথৌ কয়াবু জয় তৌদুনা অশ্বমেধ যজ্ঞ অহুম্লক তৌরকখিনি ।।৪৬।। কুন্তী! অকনবা পুমনমক্কী মপুংদা অথোইবা ওইরক্কদৌরিবা নচাসে পরশুরামগুমনা ইচং থৌবা অদুগা বিষ্ণুগুমনা মথৌনা লৈবা অমসুং মিংচৎ চাউবা নিপা অমা ওইরকনি ।।৪৭।। অঙাং অসি মহাদেবমকপু লান্দা ঙকহনগনি অমসুং পেলহলগনি অদুগা মহাদেবগী মফমদগী পাশুপত কৌবা খুৎলাই মনা ওইনা ফংগনি ।।৪৮।। নংগী মচানিপা অসে ইন্দ্রগী য়াথং মতুংইন্না লাইয়াম

তথা দিব্যানি চাস্ত্রাণি নিখিলনাহরিষ্যতি । বিপ্রনষ্টাং শ্রিয়ঞ্চায়মাহর্ত্তা পুরুষর্ষভঃ ॥৫০॥
এতামত্যদ্ভুতাং বাচং কুন্তী শুশ্রাব সূতকে । বাচমুচ্চারিতামুচ্চৈস্তাং নিশম্য তপস্বিনাম্ ॥৫১॥
বভুব পরমা হর্ষঃ শতশৃঙ্গনিবাসিনাম্ । তথা দেবরথানাঞ্চ দেবানাঞ্চ দিবৌকসাম্ ॥৫২॥
আকাশে দুন্দুভীনাঞ্চ বভুব তুমুলঃ স্বনঃ । উদতিষ্ঠন্মহাঘোষ পুষ্পবৃষ্টিভিরাবৃতঃ ॥৫৩॥ (বিশবকম)
সমবেত্য চ দেবানাং গণাঃ পার্থমপূজয়ন্ । কাদ্রবেয়া বৈনতেয়া গন্ধর্বাপ্সরসস্তথা ।
প্রজানাং পতয়ঃ সর্বে সপ্ত চৈব মহর্ষয়ঃ ॥৫৪॥
ভরদ্বাজঃ কশ্যপো গৌতমশ্চ বিশ্বামিত্রো জমদগ্নির্বশিষ্ঠঃ । যশ্চোদিতো ভাস্করেঽভূৎ প্রনষ্টে সোঽপ্যত্রাত্রির্ভগবানাজগাম ॥৫৫॥
মরীচিরঙ্গিরাশ্চৈব পুলস্ত্যঃ পুলহঃ ক্রতুঃ । দক্ষঃ প্রজাপতিশ্চৈব গন্ধর্বাশ্চ বসন্তঃ ॥৫৬॥
দিব্যমাল্যাম্বরধরাঃ সর্বালঙ্কারভূষিতাঃ । উপগায়ন্তি বীভৎসুং নৃত্যন্তপ্সরসাং গণাঃ ॥৫৭॥
তথা মহর্ষয়শ্চাপি জেপুস্তত্র সমন্ততঃ । গন্ধর্বৈঃ সহিতঃ শ্রীমান্ প্রাগায়ত চ তুম্বুরুঃ ॥৫৮॥
ভীমসেনোগ্রসেনৌ চ উর্ণায়ুরনঘস্তথা । গোপতির্ধৃতরাষ্ট্রশ্চ পূর্ণবর্চ্চাস্তথৈব চ ॥৫৯॥

খিবিকমক্কা শুমযদ্রব। অমসুং দেবতা পুম্নমক্কী য়েক্লবা নিবাত কবচ কৌবা দৈত্যশিংবু তুমনা হাংলগনি ॥৪৯॥ অদুগা, নংগী নচা অসে স্বর্গলোকগী অযাম্বা দিব্য অস্ত্র ফংগনি অমসুং অদুদনা অথোইবা নিপা ওইদুনা য়েক্লবনা মুনখ্রবী রাজ লক্ষ্মীবু অমুবক হন্না উদ্ধাব তৌরকখিনি ॥৫০॥ কুন্তীনা অসিগুম্বা মচা অসিবু ফংবা সুমিত্তা অসিগুম্বা অদুকপগী মশক ওইরবা দেববানী অসিবু তাখি, খোঞ্জেল হোৌনা আকাশতগী লাওথরকপা দেববানী অসিবু তাবদা শতশৃঙ্গদা লৈরিবা তপস্বী পুম্নমক্কী থমোইদা শুমথৈ লৈতনা সুংঙাইবা পোকখি, অদুগা আকাশদা মাগী মাগী রথ অপাইবীদা তোংলিবা ইন্দ্র নচিংবা দেবতা পুম্নমক্কী অকিবা ফংনা হোৌববা পুংজাউ থীনবগী খোঞ্জেল তানখি, বাংলবা হৌরবা পোঞ্জেল অসি মাযকৈ মরিমক্তা শন্দোকখি অদুগা মাতুগা লোযন লোয়ননা অতোং অথম লৈতনা লৈগী নোং চুপখি ॥৫১—৫৩॥ দেবতা পুম্নমক, অচৌবা লিল পুম্নমক, গরুড়না[illegible] অচৌ অচৌবা লীল পুম্নমক, গন্ধর্বশিং অমদি অপ্সরা মীপ, প্রজাপতিশিং অমদি সপ্তর্ষিশিং পুম্নমক অসি মাগী মাগী মফমদা লৈতনা অর্জুনগী মথক্তা আশীর্বাদ অমদি লৈণি লৈখোনবগী বাহৈ লাংথোকখি ॥৫৪॥ ভরদ্বাজ, কশ্যপ, গৌতম, বিশ্বামিত্র, জমদগ্নি, বশিষ্ঠ অমসুং সূর্য্য ভগবান্‌মক্তা তাখ্রফাওবদা মহাক্তদি থোক্কনা লৈহোবা মতিক মগুণ চাওরবা অত্রিমকসু মফম অদুদা থুংলখি ॥৫৫॥ মরীচি, অঙ্গিরা, পুলস্ত্য পুলহ, ক্রতু, দক্ষ প্রজাপতি, অতোপ অতোপপা গন্ধর্বশিংসু মফম অদুদা লাকখি ।৫৬॥ স্বর্গগী নিংথিজরবা লৈপরেং অমদি নিংথিজরবা ফিজান্না লৈতংবী মথল মথা অযাম্বা লৈতেংনা লৈত্তোংলবী অপ্সরাশিংনা অর্জুনদা য়েংদুনা মাগীদমক্তা শেক্ল নৌনা মঙ্গলগী ঈশৈ শকখি অমদি জগোই শাখি ॥৫৭॥ মহর্ষিশিংনা মাযকৈ অকোয়বদা লেপ্তুনা অদাং অদুগী মঙ্গলগীদমক বিধি কায়দনা মন্ত্রজপ তৌখি অমসুং যেংবদা পুক্নিঙ্ক হুনবগী মশক ওইরবা তুম্বুরুনা অতোপ অতোপপা গন্ধর্বশিংগা লোয়ননা মফম অদুদা লাকখি ॥৫৮॥ ভীমসেন, উগ্রসেন, উর্ণায়ু, অনঘ, গোপতি, ধৃতরাষ্ট্র পূর্ণবর্চ্চা, যুগপ, তৃণপ, কার্ষ্ণি, নন্দি, চিত্ররথ, শালিশিরা, পর্জ্জন্য, কলি, নারদ, ঋত্বা, বৃহত্বা, বৃহক, করাল,

যুগপস্তৃণপঃ কার্ষ্ণিনন্দিশ্চিত্ররথস্তথা। ত্রয়োদশঃ শালিশিরাঃ পর্জন্যশ্চ চতুর্দশঃ ।।৬০।।
কলিঃ পঞ্চদশশ্চাত্র নারদশ্চৈব ষোড়শঃ। ঋত্বা বৃহত্বা বৃহকঃ করালশ্চ মহামনাঃ ।।৬১।।
ব্রহ্মচারী বহুগুণঃ সুবর্ণশ্চেতি বিশ্রুতঃ। বিশ্বাবসুর্ভুমন্যুশ্চ সুচন্দ্রশ্চ শরুস্তথা ।।৬২।।
গীতমাধুর্য্যসম্পন্নৌ বিখ্যাতৌ চ হাহাহুহু। ইত্যেতে দেবগন্ধর্বা জগুস্তত্র নরাধিপ! ।।৬৩।।
তথৈবাপ্সরসো হৃষ্টাঃ সর্বালঙ্কারভূষিতাঃ। ননৃতুর্বৈ মহাভাগা জগুশ্চায়তলোচনাঃ ।।৬৪।।
অনূচানানবদ্যা চ গুণমুখ্যা গুণাবরা। অদ্রিকা চ তথা সোমা মিশ্রকেশী অলম্বুষা ।।৬৫।।
মরীচিঃ শুচিকা চৈব বিদ্যুৎপর্ণা তিলোত্তমা। অম্বিকা লক্ষণা ক্ষেমা দেবী রম্ভা মনোরমা ।।৬৬।।
অসিতা চ সুবাহুশ্চ সুপ্রিয়া সুবপুস্তথা। পুণ্ডরীকা সুগন্ধা চ সুরসা চ প্রমাথিনী।
কাম্যা সারস্বতী চৈব ননৃতুস্তত্র সংঘশঃ ।।৬৭।।
মেনকা সহজন্যা চ কর্ণিকা পুঞ্জিকস্থলা। ঋতুস্থলা ঘৃতাচী চ বিশ্বাচী পূর্বচিত্ত্যপি ।।৬৮।।
উম্লোচেতি চ বিখ্যাতা প্রম্লোচেতি চ তা দশ। উর্ব্বশ্যেকাদশী তাসাং জগুশ্চায়তলোচনাঃ ।।৬৯।।
ধাতার্য্যমা চ মিত্রশ্চ বরুণোংশো ভগস্তথা। ইন্দ্রো বিবস্বান্ পূষা চ ত্বষ্টা চ সবিতা তথা ।।৭০।।
পর্জন্যশ্চৈব বিষ্ণুশ্চ আদিত্যা দ্বাদশ স্মৃতাঃ। মহিমানং পাণ্ডবস্য বর্দ্ধয়ন্তোঽম্বরে স্থিতা ।।৭১।।
মৃগব্যাধশ্চ সর্পশ্চ নির্ঋতিশ্চ মহাযশাঃ। অজৈকপাদহির্ব্রধ্নঃ পিনাকী চ পরন্তপ! ।।৭২।।
দহনোঽথেশ্বরশ্চৈব কপালী চ বিশাম্পতে!। স্থাণুর্ভগশ্চ ভগবান্ রুদ্রস্তত্রাবতস্থিরে ।।৭৩।।
অশ্বিনৌ বসবশ্চাষ্টৌ মরুতশ্চ মহাবলাঃ। বিশ্বেদেবাস্তথা সাধ্যাস্তত্রাসন্ পরিসংস্থিতাঃ ।।৭৪।।

ব্রহ্মচারী অমসুং থোইদোক্লেন্দোক্লা গুণদা ফাওরবা সুবর্ণ, বিশ্বাবসু, ভূমন্যু, সুচন্দ্র, শরু অমসুং সুংশিনা ঈশৈ শকপা হৈরবা হাহা অমসুং হুহুনচিংবা গন্ধর্ব পুম্নমক্না মফম অদুদা লাক্লুনা ঈশৈ শকখি ।।৫৯—৬৩।। অয়াম্বা অলঙ্কারনা লৈতেংলবী মিত্তা ফজরবী, লাইবক ফরবী, অপ্সরাশিংনা মফম অদুদা জগোইশাখি অমসুং ঈশৈ শকখি ।।৬৪।। অনূচানা, অনবদ্যা, গুনমুখ্যা, গুনাবরা, অদ্রিকা, সোমা, মিশ্রকেশী, অলম্বুষা, মরীচি, শুচিকা, বিদ্যুৎপনা, তিলোত্তমা, অম্বিকা, লক্ষনা, ক্ষেমা, দেবী, রম্ভা, মনোরমা, অসিতা, সুবাহু, সুপ্রিয়া, সুবপু, পুণ্ডরীকা, সুগন্ধা, সুরসা, প্রমাথিনী, কাম্যা অমসুং সারস্বতীনচিংবী অপ্সরা কুননিপাল অসিনা লাক্লুনা পুলপ পুন্না জগোই শাখি ।। ৫—৬৭।। অতুগা, মেনকা, সহজন্যা, কর্নিকা, পুঞ্জিকস্থলা, ঋতুস্থলা, ঘৃতাচী, বিশ্বাচী, পূর্বচিত্তী উম্লোচা প্রম্লোচা অমসুং উর্বশীনচিংবী মিত্তা ফজরবী অপ্সরাশিং অসিনা ঈশৈ শকখি ।।৬৮—৬৯।। ধাতা অর্য্যমা, মিত্র, বরুণ, অংশ, ভগ, ইন্দ্র, বিবস্বান্, পূষা, মঙ্গলগী পোক্নফম ওইরবা ত্বষ্টা, পর্জন্য অমসুং বিষ্ণুনচিংবা আদিত্য তরানিথোইশিং অসিনা অহুমগুবা পাণ্ডুগী মচাগী অভিনন্দনগী দমক লাক্লুনা, মহাক্কী মতিক মগুণ থাগৎলুনা আকাশদা লৈখি ।।৭০—৭১।। মৃগব্যাধ, সর্প, নির্ঋতি, অজৈকপাদ, অহির্ব্রধ্ন, পিনাকী, দহন, ঈশ্বর, কপালী, স্থাণু অমসুং ভগ, রুদ্র তরা মাংথোই অসিনা লাক্লুনা মফম অদুদা লৈখি ।।৭২—৭৩।। অশ্বিনীকুমার অনি, বসু নিপাল, সুংশিৎনিফুমাপল, বিশ্বদেবশিংনা অমসুং

কর্কোটকোঽথ শেষশ্চ বাসুকিশ্চ ভুজঙ্গমঃ। কচ্ছপশ্চাথ কুণ্ডশ্চ তক্ষকশ্চ মহোরগঃ ॥৭৫॥
আস্মৃত্তপা যুক্তা মহাক্রোধা মহাবলাঃ। এতে চান্যে চ বহবস্তত্র নাগা ব্যবস্থিতাঃ ॥৭৬॥
তার্ক্ষ্যশ্চারিষ্টনেমিশ্চ গরুড়শ্চাসিতধ্বজঃ। অরুণশ্চারুণিশ্চৈব বৈনতেয়া ব্যবস্থিতাঃ ॥৭৭॥
তাংশ্চ দিব্যান্ গণান্ সর্ব্বাংস্তপঃসিদ্ধা মহর্ষয়ঃ। বিমান গির্য্যগ্র-গতান্ দদৃশুর্নেতর জনাঃ ॥৭৮॥
তদ্দৃষ্ট্বা মহদাশ্চর্য্যং বিস্মিতা মুনিসত্তমাঃ। অধিকাং স্ম ততঃ প্রীতিমবর্ত্তন্ পাণ্ডবং প্রতি ॥৭৯॥
পাণ্ডুস্তু পুনরেবৈনাং পুত্রলোভান্মহাযশাঃ। বক্তুমৈচ্ছদ্ধর্ম্মপত্নীং কুন্তী ত্বেনমথাব্রবীৎ ॥৮০॥
নাতশ্চতুর্থং প্রসবমাপৎস্বপি বদন্ত্যত। অতঃ পরং স্বৈরিণী স্যাৎ পঞ্চমে বন্ধকী ভবেৎ ॥৮১॥
স ত্বং বিদ্বন্! ধর্ম্মমিমমধিগম্য কথং নু মাম। অপত্যার্থং সমুৎক্রম্য প্রমাদাদিব ভাষসে ॥৮২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সম্ভবে পাণ্ডবোৎপত্তির্নাম সপ্তদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।।০।।

——:(*):——

সাধ্যশিংনা মফম অমদা থুংলখি ।।৭৪।। কর্কোটক, অনন্ত, বাসুকি, কচ্ছপ, কুণ্ড অমসুং তক্ষক নচিংবা তপস্বীশিং, য়াম্না শাউগল্লবা অমসুং য়ামনা মপাঙ্গল কল্লবা নাগ অমসুং অতোপ অতোপ্প নাগশিং কযাসু মফম অদুদা তিন্নবা যাওখি ।।৭৫—৭৬।। তার্ক্ষ্য, অরিষ্টনেমি, গরুড, অসিতধ্বজ, অরুণ অমসুং আরুণিনাচিংবা বিনতাগী মচাশিংনসু মফম অদুদা লাকখি ।।৭৭।। স্বর্গবাসীশিংগী মরক্তা অতোপ অতোপ্পাশিংনা রথ-অপাইবীদা অতোপ অতোপ্পাশিংনা চীংথক্তা লৈখি, মাখোযশিং অসিবু অশেংনা তপস্যানা সিদ্ধ ওইরবা মহর্ষিশিংতনা মউই, অদুগা অতোপ্পা মীশিংনদি উবা ফংখিদে ।।৭৮।। তপস্যাদা সিদ্ধ ওইরবা মহর্ষিশিংনা য়ামনা অঙকপা ফংলবা থৌদোক অদুবু উবদা য়ামনা ডক্তুনা অর্জ্জুনগী মফমদা থোইদোক হেন্দোক্না মুংঙাইবা উংখি ।।৭৯।। অদুদগী পাণ্ডুনা মচা অতে অমা অমুক ফংনিংদুনা, অপাম্বদগী মচা অমুক পোক্নবা হাযগে হায়না হেক নিংলকপদা কুন্তীনা পাণ্ডুদা হায়খি— "অসিগী মতুংদা অমুক, অব্রাবা তারবা ফাওবদা মরিশুবা মচা অমা পোকহনবদি মুনিশিংনা অচুম্বনি হাযরমদে। মরমদি, মতৌ অম্মমন' পোকহন্দবা য়াদবদগী অহুম শুবা মচা ফাওবা পোকহল্লবা তুংদা, অতোপ্পা মরিশুবা নিপা অমগা সংসর্গ তৌরবদি মুপী অদো. অপনবা-অথিংবা লৈত্রবী, ওক্তবী বেশ্যাগী মসুংচল্লে, অদুগা মঙাশুবা নিপা অমগা অমুক সংসর্গ তৌরবদি মচা ইপোক পোক্তবী অথুংবীনি হায়না শীংথানৈ ।।৮০—৮১ ।। অদুনা হে মহা জ্ঞানী! নহাক্না ধর্ম্ম অসি খংন-খংনা, ধর্ম্ম অসিবু উশিত্তহনা ইচাগীদমক্ত ঐঙোন্দ! অসুম হায়রিবনো? ।।৮২।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা পাণ্ডু উৎপত্তি কৌবা চাম তরাত্তরেৎ শুবা অধ্যায় লোইরে ।।০।।

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে পাণ্ডবোৎপত্তিঃ।

(মীরোল-নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা পাণ্ডবশিং পোকপগী ৱারী)

(চামা তরানিপাল শুবা অধ্যায়)

—.(0)—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

কুন্তীপুত্রেষু জাতেষু ধৃতরাষ্ট্রাত্মজেষু চ। মদ্ররাজসুতা পাণ্ডুং রহো বচনমব্রবীৎ ॥১॥

ন মেঽস্তি ত্বয়ি সন্তাপো বিগুণেঽপি পরন্তপ!। নাবরত্বে বরার্হায়াঃ স্থিত্বা চানঘ! নিত্যদা ॥ ২ ॥

গান্ধার্য্যাশ্চৈব নৃপতে! জাতং পুত্রশতং তথা। শ্রুত্বা ন মে তথা দুঃখমভবৎ কুরুনন্দন! ॥ ৩ ॥

ইদন্তু মে মহদ্দুঃখং তুল্যতায়ামপুত্রতা। দিষ্ট্যা ত্বিদানীং ভর্ত্তুর্মে কুন্ত্যামপ্যস্তি সন্ততিঃ ॥ ৪ ॥

যদি ত্বপত্যসন্তানং কুন্তিরাজসুতা ময়ি। কুর্য্যাদনুগ্রহো মে স্যাত্তব চাপি হিতং ভবেৎ ॥ ৫ ॥

সংস্তম্ভো মে সপত্নীত্বাদ্বক্তুং কুন্তিসুতাং প্রতি। যদি তু ত্বং প্রসন্নো মে স্বয়মেনাং প্রচোদয় ॥ ৬ ॥

পাণ্ডুরুবাচ।

মমাপ্যেষ সদা মাদ্রি! হৃদ্যর্থঃ পরিবর্ত্ততে। ন তু ত্বাং প্রসহে বক্তুমিষ্টানিষ্টবিবক্ষয়া ॥ ৭ ॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি — কুন্তী অমদি গান্ধারীনা মচা পোকখ্রবা তুদা মাদ্রীনা নোংমা অচীকপদা পাণ্ডুদা ৱা পুন্নমকসি হায়খি ॥১॥ মহাবাজ। মৃগ মুণিগী শাপতগী মহারাজগী নচা পোক্নবগী শক্তি মাংখ্রবা ফাউবদা ঐগী পুক্নিংদা অতুক য়াম্না অৱাবা শুংভায়তবা পোক্লমদে, অদুগা ঐ অসি নিংথৌগী মচানুপী অমম্বং মচা পোকপদা মতিক চারবী ওইহনহ অসিগুম্না অতোনবা মওংদা অতুম্মক লৈখা তাদুনা লৈজরি মাসি ফাওবদা ঐগী পুক্নিংদা অৱাবা-শুভায়তবা অদু থোইদোকপা লৈজদে ॥২॥ অহগী মতুংদা গান্ধারীনা মচা চামা পোকখে, হায়বা ৱাসি তারবা ফাউদবা ঐগী পুক্নিংদা য়াম্না অৱাবা-শুভায়তবা লৈরমদে ॥৩॥ অদুবু ইচেম কুন্তীদি ঐগা অমানি; মাগীদি মচা পোকখ্রে, ঐগীদি অমত্তা লৈজত্রি, মাসিদা ঐগী থোইদোক্না অৱাবা শুংভায়তবা হায়বদু ওইরে। মরাইবক ফবনা কুন্তীগী গর্ভদা মহারাজগী মচা অহুম পোকখ্রে ॥৪॥ কম্মিগুম্বা ইচেম কুন্তীনা ঐগী গর্ভদসু মহারাজগী মচা শিবীরবা অদুগা ঐবুসু ইচেমনা মরুদু পিন্নুনা শুংশিবীরবা অদু ওইরবদি মহারাজগীসু অফবনি ॥৫॥ [illegible] মহারাজ! ঐগী [illegible] ওইনা ইচেম কুন্তীনা ৱা অসি হায়বা ওমজদে; অদুনা, মহারাজনবু ঐসু [illegible] ৱাসি [illegible] হায়বিবা য়াই ॥৬॥ পাণ্ডুনা হায়খি— মাদ্রী! ঐসু [illegible] অসি মংগী পুক্নিং শংদবনা নংঙোন্দা হোদোকপা [illegible]। [illegible] ঐগী ইকায়া [illegible] অফিমক হায়বা-তাংবা ওমনা

তব ত্বিদং মতং মত্বা প্রবর্ত্তিষ্যাম্যতঃ পরম্। মন্যে ধ্রুবং ময়োক্তা সা বচনং প্রতিপৎস্যতে ॥ ৮ ॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ কুন্তীং পুনঃ পাণ্ডুর্ব্বিবিক্ত ইদমব্রবীৎ। কুলস্য মম সন্তানং লোকস্য চ কুরু প্রিয়ম ॥৯॥

মম চাপিণ্ডনাশায় পূর্ব্বেষামপি চাত্মনঃ। মৎপ্রিয়ার্থঞ্চ কল্যাণি! কুরু কল্যাণমুত্তমম ॥১০॥

যশসোঽর্থায় চৈব ত্বং কুরু কর্ম্ম সুদুষ্করম্। প্রাপ্যাধিপত্যমিন্দ্রেণ যজ্ঞৈরিষ্টং যশোঽর্থিনা ॥ ১১ ॥

তথা মন্ত্রবিদো বিপ্রাস্তপস্তপ্ত্বা সুদুষ্করম্। গুরূনভ্যুপগচ্ছন্তি যশসোঽর্থায় ভাবিনি ॥১২॥

তথা রাজর্ষয়ঃ সর্ব্বে ব্রাহ্মণাশ্চ তপোধনাঃ। চক্রুরুচ্চাবচং কর্ম্ম যশসোঽর্থায় দুষ্করম্ ॥১৩॥

সা ত্বং মাদ্রীং প্লবেনেব তারয়েনামনিন্দিতে!। অপত্যসংবিভাগেন পরাং কীর্ত্তিমবাপ্নুহি ॥১৪॥

কুন্ত্যুবাচ।

ধর্ম্মং বৈ ধর্ম্মশাস্ত্রোক্তং যথা বদসি তত্তথা। তস্মাদনুগ্রহং তস্যাঃ করোমি কুরুনন্দন! ॥১৫॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্ত্বাঽব্রবীন্মাদ্রীং সকৃচ্চিন্তয় দৈবতম্। তস্মাত্তে ভবিতাঽপত্যমনুরূপমসংশয়ম ॥১৬॥

ততো মাদ্রী বিচার্য্যৈবং জগাম মনসাঽশ্বিনৌ। তাবাগম্য সুতৌ তস্যাং জনয়ামাসতুর্যমৌ ১৭॥

নকুলং সহদেবঞ্চ রূপেণাপ্রতিমৌ ভুবি। তথৈব তাবপি যমৌ বাগুবাচাশরীরিণী ॥১৮॥

লৈরিবনিদো ॥৭॥ মাদ্রী! হুজিক্তি নংগী পুক্লিং খংলবনিনা বিষয অসিদা কম্না হোৎনগনি। মমদি ঐনা হায়রবদা মা শোযদনা য়াগনি ॥৮॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগী মতুংদা কুন্তীদা পাণ্ডুনা ব্বা অসি হাযখি— কুন্তী! নংনা ঐগী শাগে চাউখৎনবা অমদি কান্নবা তৌরম্মু ॥৯॥ মঙ্গলগী মশক ওইরবী! নংনা ঐগী অমদি ঐগী ইপা ইপুশিং পিণ্ডলোপ ওইদনবা অমসুং মপুরোইবা ঐগী পেন্নবা নংডোন্দদি তব্বা ওইনদি থোক্লগা মঙ্গলদি ওইবা থবক অমতং তৌ ॥১০॥ মিংচৎকীদমক্তনি খন্দুনা অব্বা থবক অসি নংনা তৌ। য়েংঙু দো, ইন্দ্রনা স্বর্গগী নিংথৌ ওইরবা ফাওবদা মিংচৎকী দমক্তা অচৌবা যজ্ঞ কয়া তৌখি ॥১১॥ অদুগা মন্ত্র খংলবা ব্রাহ্মণ কয়ানা অকনবা তপস্যা তৌরযাউবদা অমুকসু মিংচৎকীদমক্তা গুরুসেবানচিংবা তৌনরি ॥১২॥ অদুগী মতুংদা রাজর্ষি, তপস্বী কয়ানা মিংচৎকীদমক্তনি হায়দুনা তৌভমদবা থবক কয়া তৌখি ॥১৩॥ মরম অদুনা কুন্তি! মরম অদুনা মহাক্কা ননাওনুপী মাদ্রীদসু নচা খর খাইবিরগা নংনা পোংগী মতৌগুম্বনা অব্বাবা ইপাক অসিদগী লানথোয়্ অদুগা লেংদ্রবা মিংচৎ থনম্মু ॥১৪॥ কুন্তীনা হায়খি— মহারাজ! মহারাজনা ফোকপিরিবদো ধর্ম্ম শাস্ত্রদা ইরিবা ধর্ম্মগী মরম ওইবা অমদি ধর্ম্ম থোকপা থবক মক্তনি। অদুনা মাদ্রীবুসু ঐনা পেন্নবা তৌগনি ॥১৫॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— পাণ্ডুনা অসুম্না হায়রবদা কুন্তীনা মাদ্রীদা অসুম্না হায়খি— মাদ্রি! নংনা কৌনিংবা দেবতা অমতং নিংশিংঙু, মহাকী থৌজালদগী মহাকী মতিক চারবা নচা পোক্কনি ॥১৬॥ অংগী মতুংদা মাদ্রীনা মপুক্লিংদা অশ্বিনী কুমার অনিসু মপুক্লিংদা ধ্যান তৌখি। অদুগী তুংদা অশ্বিনী কুমার অনিনা লাক্কুনা মাদ্রীদা মচা অনি কাইথোক ওইনা পিরম্মি ॥১৭॥ মচা অনিদো নকুল, সহদেব অসুম হায়না কৌদুনা মশক মতৌপা জগৎকা

রূপসত্ত্বগুণোপেতা বভূবুর্দেবসন্নিভাঃ । ভাসয়ন্তোঽতিতেজসা বভূবুঃ রূপদ্রবিণসম্পদা ॥১৯॥
নামানি চক্রিরে তেষাং শতশৃঙ্গনিবাসিন । ভক্ত্যা চ কর্ম্মণা চৈব তথাশীর্ভির্বিশাংপতে ! ॥২০॥
জ্যেষ্ঠং যুধিষ্ঠিরেত্যেবং ভীমসেনেতি মধ্যমম্ । অর্জ্জুনেতি তৃতীয়ঞ্চ কুন্তীপুত্রানকল্পয়ন্ ॥২১॥
পূর্ব্বজং নকুলেত্যেবং সহদেবেতি চাপরম্ । মাদ্রীপুত্রাবকথয়ংস্তে বিপ্রাঃ প্রীতমানসাঃ ॥২২॥
অনুসংবৎসরং জাতা অপি তে কুরুসত্তমাঃ । পাণ্ডুপুত্রা ব্যরাজন্ত পঞ্চসংবৎসরা ইব ।
মহাসত্ত্বা মহাবীর্য্যা মহাবলপরাক্রমাঃ ॥২৩॥

পাণ্ডুর্দৃষ্ট্বা সুতাংস্তাংস্তু দেবরূপান্ মহৌজসঃ । মুদং পরমিকাং লেভে ননন্দ চ নরাধিপ ! ॥২৪॥
ঋষীণামপি সর্ব্বেষাং শতশৃঙ্গনিবাসিনাম্ । প্রিয়া বভূবুস্তাসাঞ্চ তথৈব মুনিযোষিতাম্ ॥২৫॥
কুন্তীমথ পুনঃ পাণ্ডুর্মাদ্র্যর্থে সমচোদয়ৎ । তমুবাচ পৃথা রাজন্ ! রহস্যুক্তা সতী তদা ॥২৬॥
উক্তা সকৃদ্দ্বন্দ্বমেষা লেভে তেনাস্মি বঞ্চিতা । বিভেম্যস্যা হ্যভিভবাৎ কুস্ত্রীণাং গতিরীদৃশী ॥২৭॥

চাংদমনিংঙাষ লৈরংদে, মখোয় অনিবু যেংহুনা হায়গী মতৌগুম আকাশগী দেবতাশিংনা লাওথখি ॥১৮॥ মশক্ত মথোনাদা, কন-থৌবনাচিংবা গুণনা তিল্লবা অঙাং অনিসিস্ন হযেং ভুংদা মশক মতৌদা অশ্বিনী কুমার অনিদগীসু হেল্লগনি ॥১৯॥ অদুগী মতুংদা শত শৃঙ্গদা লৈরিবা তপস্বীশিংনা অঙাং মঙা অদুগী নামকরণ তৌদুনা আশীর্বাদ তৌখি ॥২০॥ মাখোয়না খব্বাইগী অহন অদুবু যুধিষ্ঠির, মথং অহনা ভীমসেন, অদুগী মথং অহুম শুবাত্তবু অর্জ্জুন অমম হায়না মথং মথং মমিং থোনখি ॥২১॥ ব্রহ্মাণ খিবিক অদুনা থোইদোক্লা পেনখ্রুদুনা মাদ্রীগী মচা অনি অদুগী মমুংদা অহনবুনা নকুল অনিশুবা অদুবুনা সহদেব অমম হায়না থোনখি ॥২২॥ পাণ্ডুগী মচাশিং অসি চহি অমমম থেল্লনা পোকখিবা ওাক্তুনি, অমবু চহি অমমম থেন্নারকা অঙাং মঙা জসে চহি মঙা মঙা চপ মান্নবা শুমিন্নরবা অঙাং মঙাগুম অউবা মীগী মকমদা থোইদোক্লা পেন্নকম অমদি নিংথিজবা ওইখি । মরমদি মখোয় পুন্নমক অসে অইন কনবদ, মথোনাদা, মরিংজেল অমদি মশাগী পাঙ্গলদা চপ মান্নবা নোংমা নোংমাগী চাউরৈগন্না চাউরম্মি ॥২৩॥ দেবতাগী মচাগুম্বা মাদ্রীগী গর্ভদা পোকপা মচা অনি অসিবু পাণ্ডুনা উবগা মপুন্নিং থোইদোকনা নুংঙায়বা অমদি অফবা মচাবু পোক্লগা মপাগী পুক্নিংদা নুংঙায়বা হন্নাউবা অদু ফংখি ॥২৪॥ মতৌ অমুম্না পাণ্ডুগী মচা মঙা অসি মখোয়গী পোকচেংগী ওইরকপা মতিক মগুণ স্বভাব অদুদা শত শৃঙ্গদা লৈরিবা মুনিশিংগী অমদি মুনিগী ভার্য্যাশিংগী মকমদা থোইদোক্লা নুংঙায়নফম, নুংশিনফম অমদি লংনফম ওইখি ॥২৫॥ অদুগী মতুংদা পাণ্ডুনা অমুক মাদ্রীগী মচা পোকননবা কুন্তীদা হায়জখি অমহুং অচীকপদা, মাহু যাননবা মা যান্না হায়খি, মাহুদা কুন্তীনা পাণ্ডুদা হায়খি ॥২৬॥ ঐনা মাদ্রীদা নংনা পাম্বা দেবতা অমতং অমুক্তগী হেন্দনা নিংশিংঙু হায়রমই; অদুদা মাদ্রীনা দেবতা অনিবু অমুক্তদা নিংশিংদুনা মচা অনি মতম অমতদা ফংখি । মতাং অসিদা মানা ঐত্তোন্দা লোনমগুম্বা থব্না তৌখ্রে । অইনা ঐগী পুক্নিংদা ঐবু ভম্নবা করিগুম্বা অমতং তৌরকবরা হায়না ঐগী পুক্নিংদা চিন্নরে । মরমদি মপুক্নিং শেংদবী নুপীগী স্বভাব

নাজ্ঞাসিষমহং মূঢ়া হুন্দ্বাহ্বানে ফলত্রয়ম্ । তস্মাদহং নিযোক্তব্যা ত্বয়ৈবোহস্ত বরো মম ॥২৮॥
এবং পাণ্ডোঃ সুতাঃ পঞ্চ দেবদত্তা মহাবলাঃ । সম্ভূতাঃ কীর্ত্তিমন্তস্তে কুরুবংশবিবর্দ্ধনাঃ ॥ ৯॥
শুভলক্ষণসম্পন্নাঃ সোমবৎ প্রিয়দর্শনাঃ । সিংহদর্পা মহেষ্বাসাঃ সিংহবিক্রান্তগামিনঃ ॥৩০॥
সিংহোরস্কাঃ সিংহসত্ত্বাঃ সিংহাক্ষাঃ সিংহবিক্রমাঃ । সিংহগ্রীবা মনুষ্যেন্দ্রা ববৃধুর্দেববর্চ্চসঃ ॥৩১॥
বিবর্দ্ধমানাস্তে তত্র পুণ্যে হৈমবতে গিরৌ । বিস্ময়ং জনয়ামাসুর্মহর্ষীণাং সমেয়ুষাম্ ॥৩২॥
তে চ পঞ্চ শতঞ্চৈব কুরুবংশবিবর্দ্ধনাঃ । সর্ব্বে ববৃধুরল্পেন কালেনাপ্সিব নীরজাঃ ॥৩৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সম্ভব পাণ্ডবোৎপত্তির্নামা দ্বাদশাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

— —ঃ(*)ঃ——

হায়বসিমক্তবু অস্তুম হেক তৌগদ্লি ॥২৭। ঐপু, মতম অমতদা নিপা অনিবু কৌরবদি মহৈ অনি মতম অমতদা ফংগনি হায়বসি খদবী অতুক যাম্না অপংবী মকম্ নত্তে। মরম অতুনা বিষয় অসিদা ঝা অতৈ অমা অমুক তাকপিরগনু, মাসিগী ঝা অসি তাকপিদবা অসিমক ঐগী ইফমদা মহারাজনা পিবিবা বর অমনি হায়না লৌজবগে ॥২৮॥ গরম অসিনা মহারাজ! পাণ্ডুগী মচাদি মঙা অসিদগী অয়াম মহেনখিত্রে। দেবতানা পীনরবা মচা মঙা অসে মতমগী মতুংইন্না মথং মথং মপাঙ্গল থোইনা কল্লবা অমসুং অফবা স্বভাবকী মগুণনা অভাং ওইরিভদগী হৌনা মাখোয়গী মমিং চৎখি ।২৯॥ মখোয় অসি অফবা লক্ষণনা তিন্নবা, অমমমনা মপুং ফারবা থাজগী মতৌগুম নিংথিজরবা, মথৌনা শাবাঙ্গা নোংশাগুম্বা, পাথং মপুং ফাজ্রবৈদগী হৈনা মহা ধনুর্ধারি ওইহনা অমদি চংথোরকপা শাজত্তা নিঙ্গায়বা অফিবা লৈতবা নোংশাগী শাজং মনবা তাক্তা ওইরকলে ॥৩০॥ মখোয়গী মথবাক অমদি মরেং কনবদা নোংশাগুম্বা, ইচং থৌবা অমদি অইন কনবদা নোংশাগুম্বা, মমিংসু নোংশাগী মতৌগুম্বা, মপাঙ্গলদা নোংশাগুম্বা অমসুং নোংশাগী মতৌগুম্বা মরায় কাংবা কীবমা মথোয় অসি নোমশংনোংমাগী চাউবা হেনগংলকই, অমসুং মথংশিংনা নিপাগী মসুংদা গুণ পুম্নমক্তা অথোয়বা ওইরবা তুম্না মতুংঙদি দেবতাগা মান্নবা তেজ লৈবা মীশক উত্তুনা ওইখে ॥৩১॥ অমাং অশোয় লৈরবা, ভশেং-ভশেংলবা শত শৃঙ্গ কৌবা চীংদা শাণ্ডবাক্ত্ত্‌না চাউখ্রবা পাণ্ডুগী মচা মঙা অসিবু উৎনা অয়াক-অয়াকপা মহর্ষিশিংগী কাংবুশিংগী থমোইদা অঙকপ পোকখি ॥৩২॥ পাণ্ডুগী মচ মঙা অসি অমুগা ধৃতরাষ্ট্রগী মচা চাম অসি মতম খরদংগী মনুংদা ঈশিং মনুংগী থিঙ্গৎলকপা থম্বালনা কুচু-কুমেন মশক ফজবগা লোয়ননা অম্নম অংম মন্দোরকপগুম তুমিং খুদিং চাউখৎলকই ॥৩৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা পাণ্ডবোৎপত্তি কৌবা চাম তরানিথাল অহুমা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——ঃ(*)ঃ——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে পাণ্ডুপরমো নামঃ

(মীরোল—নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা "পাণ্ডুপরম"গী ৱারী)

(চামা তরামাপল শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

দর্শনীয়াংস্ততঃ পুত্রান্ পাণ্ডুঃ পঞ্চ মহাবনে। তান্ পশ্যন্ পর্বতে রেমে স্ববাহুবলমাশ্রিতঃ ॥১॥

সুপুষ্পিতবনে কালে কদাচিন্মধুমাধবে। ভূতসম্মোহনে রাজা সভার্য্যো ব্যচরদ্বনম্ ॥২॥

পলাশৈস্তিলকৈশ্চূতৈশ্চম্পকৈঃ পারিভদ্রকৈঃ। কর্ণিকারৈরশোকৈশ্চ কেশরৈরতিমুক্তকৈঃ ॥৩॥

তথা কুরুবকৈশ্চাপি মত্তভ্রমরকূজিতৈঃ। বৃতৈর্মঞ্জরিতৈশ্চৈব পারিজাতবনৈরপি ॥৪॥

সংকৈশ্চ পত্রপুষ্টানামুদ্ঘুষ্টং ষট্পদৈরপি। অন্যৈশ্চ বহুভির্বৃক্ষৈঃ ফলপুষ্পসমৃদ্ধিভিঃ ॥৫॥

জলস্থানৈশ্চ বিবিধৈঃ পদ্মিনীভিশ্চ শোভিতম্। পাণ্ডোর্বনং তৎ সম্প্রেক্ষ্য প্রজজ্ঞে হৃদি মন্মথঃ ॥৬॥

প্রহৃষ্টমনসং তত্র বিচরন্তং যথামরম্। তং মাদ্র্যনুজগামৈকা বসনং বিভ্রতী শুভম্ ॥৭॥

সমীক্ষমাণঃ স তু তাং বয়স্থাং তনুবাসসম্। তস্য কামঃ প্রববৃধে গহনেঽগ্নিরিবোত্থিতঃ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়রিথি— পাণ্ডুনা অতুগী ভুংদা, মাগী পাম্বোমগী পাক্ন্না মী অমাম্না মপান ভাক্না মুংশিরবা ফজরবা মচা মঙাসু য়েংহুনা, অদুম্বা চীংগী লমদম অদুদা মুংডায়না লৈখি ॥১॥ করিগুম্বা মতমগী মকুংইম্না বসন্তগী মতম ওইরক্লে, মতম অদুদা লমদা অমত্তুং শজিবু থাগী তাইনফম ওইবা হৈকোল লৈকোল পুম্নমক্কী হৈপাক লৈপাক পুম্নমক ময়োল চেংলক্লে, মপাল শাংলক্লে; ঋতুগী অনৌবা শকফম উবদা শা উচেক পুম্নমক মাগী মাগী লোয়নবীশিংগা তিন্নমিংবা উনবিংবগী মাথক খংহৌদনা পোক্লখি; মীওইশিংগী অসিগুম্বা খোম্লাংবা মতম অসিদা পাণ্ডুনা মাগী ভার্য্যাগা লোয়ননা কোম্লংচনুনা য়েংলকই। বন অদুদা পাংখোং, থোইজিং, হৈনৌ, লৈজাও, লেবাক শুলকমল নাওইতোং, নাগেশর, অপরাজিত অমদি করুবক কৌবা অতোপ অতোপ্পা মখলগী হৈপাক লৈপাক্লনা থকনা লৈরমই; হায়রিবাশিং অসি অমুক মপান্দা মহৈনা চুম্লবনি; উপাল মাদুগী মরিনা য়েংশিনবা হাং চাউরবা পারিজাত পাম্বী কয়াসু হৌরি মথোম্মশিং অসিদসু মপুং ফানা মপাল শাংলক্লবগী মরোল খিদোরকলি, পুংলবা মরক অসিদা কোকিল অমদি থোইমশিংগী মপেনা অনেক কুনহুনা কোম্লপাসু শাহরি, পুম্নমক্ক থম্নাল মপেনা নিংথিজরমই। অসিগুম্বা মতম অসিদা পাণ্ডু নিংথৌগী থমোইদসু খোইরাংবা পোকখি।৩—৬। অসিগুম্বা বন অসিদা মথবাই পুন্নজনা খোইরাং খোইশাজনা বন অদুদা হকচং হম্বা চৎলমই; মতম অদুদা মাদ্রীসু থোইনা পারবা ফিজোম্না লৈতেংনুনা পাণ্ডুগা লোয়ননা মকুদা অপা অপা ইরমই ॥৭॥ মশক মপৌ ফজরবী, অনাক ফিজোল শেংলিবী, মাদ্রীবু পাণ্ডুনা মাংহনা য়েংজনা য়েংলমই, থংহৌদনা পাণ্ডুগী থমোইদা

রহস্যেকাকিনীং তাং দৃষ্ট্বা রাজা রাজীবলোচনাম্। ন শশাক নিয়ন্তুং তং কামং কামবলার্দ্দিতঃ ॥৯॥
ততঃ এনাং বলাদ্রাজা নিজগ্রাহ রহোগতাম্। বার্য্যমাণস্তয়া দেব্যা বিস্ফুরন্ত্যা যথাবলম্ ॥১০॥
স তু কামপরীতাত্মা তং শাপং নান্ববুধ্যত। মাদ্রীং মৈথুনধর্ম্মেণ সোঽন্বগচ্ছদ্বলাদিব ॥১১॥
জীবিতান্তায় কৌরব্যো মন্মথস্য বশং গতঃ। শাপজং ভয়মুৎসৃজ্য বিধিনা সম্প্রচোদিতঃ ॥১২॥
তস্য কামাত্মনো বুদ্ধিঃ সাক্ষাৎ কালেন মোহিতা। সম্প্রমথ্যেন্দ্রিয়গ্রামং প্রনষ্টা সহ চেতসা ॥১৩।
স তয়া সহ সঙ্গম্য ভার্য্যয়া কুরুনন্দন!। পাণ্ডুঃ পরমধর্ম্মাত্মা যুযুজে কালধর্ম্মণা ॥১৪॥
ততো মাদ্রী সমালিঙ্গ্য রাজানং গতচেতসম্। মুমোচ দুঃখজং শব্দং পুনঃ পুনরতীব হ ॥১৫॥
সহ পুত্রৈস্ততঃ কুন্তী মাদ্রীপুত্রৌ চ পাণ্ডবৌ। আজগ্মুঃ সহিতাস্তত্র যত্র রাজা তথাগতঃ ॥১৬
ততো মাদ্র্যব্রবীদ্রাজন্! আর্ত্তা কুন্তীমিদং বচঃ। একৈব ত্বমিহাগচ্ছ তিষ্ঠন্ত্বত্রৈব দারকাঃ ॥১৭॥
তচ্ছ্রুত্বা বচনং দেব্যাস্তত্রৈবাধায় দারকান্। হতাহমিতি চাক্রুশ্য সহসৈবাজগাম সা ॥১৮॥
দৃষ্ট্বা মাদ্রীঞ্চ পাণ্ডুঞ্চ শয়ানৌ ধরণীতলে। কুন্তী শোকপরীতাঙ্গী বিললাপ সুদুঃখিতা ॥১৯।

কামগী মৈচাক্না অমদি মাদ্রীগা উননিংবগী মৈরিনা লমমৈগী মতৌগুম চাকশিন্নক্লে ॥৮॥ ফজরবা চীক্লবা লমদম অদুদা থম্বাল মিত্তা তারবী, মথন্ত ভাযরিবী মাদ্রীবু উবদা পাণ্ডুগী থমোইদা হৌরক্লিবা কামগী ইপোম অহু খিংবা ঙমখিদরে, কামদেবগী শক্তিগী মথা পোনখ্রে ॥৯॥ অহুগী মতুংদা মাদ্রীনা মানা ঙম্বা মখৈ মখোংমখুৎ কন্থোক্লনা পাণ্ডু নিংথৌবু থিংননবা অমদি থান্নবা কম্না হোৎনরমই, অদুবু নিপা ওইবা অমদি মপুরোইবা নিংথৌ পাণ্ডুনা মাদ্রীবু নমহুনা মথা পোলহনখি ॥১০॥ নিংথৌগী থমোই অদু, মতম অদুদা কাম ভোগগী ঋাথন্তদ লুপখিবা মরমনা মৃগমুনিনা ভৌখিবা শাপ অদু নীংশঙ্ক্রে; মরম অদুনা মাদ্রীনা য়াম্রব ফাওব, নমদুনা তিন্নখি ॥১১। মোংদম্না ঙমখিবনা, শাপতনা ফংগদৌরিবা থৱাই মাংব অদুবু কিদদুনা, শিজগে হায়দুনা কামগী মখা পোনখবে ॥১২॥ অরোইবা মতম হায়বদুনা থাগৈশেংনা মূর্ত্তি নাইনা লাক্লনা পাণ্ডু নিংথৌগী ইন্দ্রিয় পুম্নমকপু থংহৌদনা চোকথহনখ্রি, নিংথৌগী বুদ্ধিবুসু শুমহৎখ্রে, অদুনা বুদ্ধি অহু, অক কন্তগী ঋাণলগা লোয়ন লোয়ননা খুদক্তে মাংখি ॥১৩॥ মরম অসিমক্তনা থোইদোক্লা ধর্ম্ম চেল্লবা পাণ্ডু নিংথৌ অদু মাদ্রীগা উনকবদগী খুদক্ত অশিবগী থযাত্তা তাখি ॥১৪॥ অদুগী মতুংদ মাদ্রীনা থৱাই য়াওব্রবা পাণ্ডুগী হকচাং অদু কোম্দুনা খোঞ্জেল ঋাংন তেংথানা কপখি ॥১৫॥ ঙহ'ক লৈরগা, কুন্তীসু মাগী মচা অহুমগা মাদ্রীগী মচা অনিগা পুদুনা, পাণ্ডুনা অদুগুম্বা মওংদা তাদুনা লৈরব মফম অদুদা লাকখি ॥১৬॥ মহারাজ! কুন্তীনা অঙাং মঙা অদু পুদুনা লাকপদু উবদা মাদ্রীনা মচেম কুন্তীদা হায়খি — ইচেইবেম্মা! অঙাংশিং অদু থম্বিরম্মু, ইচেমইবেম্মতা অসিদা মরাকপিয়ু ॥১৭॥ মাদ্রীগী ঋা তাবদা কুন্তীনা অঙাংশিং অদু লাপ্তুক্লা থনম্লগা "ইমাই-পেম্মা করিনো তৌরিবসিদে!" অমুম হায়দুনা কপ্পা-লাওনা মফম অদুদা চেনশিন্নকই ॥১৮॥ কুন্তীনা মাদ্রীগা পাণ্ডুগা অনিমক্না লৈমাইথক্ত হিল্লুনা লৈবহু উবদা থোইদোক্লা অৱাবা সুংঙাইতবনা খোঞ্জেল ঋাংনা অসি হায়দুনা তেংথা-নাওইন কপখি ॥১৯॥ হৌয়নে মাদ্রী. নচাকপু! চোকশিন্ন মশাবু ঙাকচব পাণ্ডু নিংথৌ মহাক্নি; ঐনসু মাবু

রক্ষ্যমাণো ময়া নিত্যং বনে সততমাত্মবান্। কথং ত্বামভ্যতিক্রান্তঃ শাপং জানন্ বনৌকসঃ ॥২০॥
ননু নাম ত্বয়া মাদ্রি! রক্ষিতব্যো জনাধিপঃ। সা কথং লোভিতবতী বিজনে ত্বং নরাধিপম্ ॥২১॥
কথং দীনস্য সততং ত্বামাসাদ্য রহোগতাম্। তং বিচিন্তয়তঃ শাপং প্রহর্ষঃ সমজায়ত ॥২২॥
ধন্যা ত্বমসি বাহ্লীকি! মত্তো ভাগ্যতরা তথা। দৃষ্টবত্যসি যদ্বক্ত্রং প্রহৃষ্টস্য মহীপতেঃ ॥২৩॥

মাদ্র্যুবাচ।

বিলপন্ত্যা ময়া দেবি! বার্য্যমাণেন চাসকৃৎ। আত্মা ন বারিতোঽনেন সত্যং দিষ্টং চিকীর্ষুণা ॥২৪॥

কুন্ত্যুবাচ।

অহং জ্যেষ্ঠা ধর্ম্মপত্নী জ্যেষ্ঠং ধর্ম্মফলং মম। অবশ্যম্ভাবিনো ভাবান্মা মাং মাদ্রি! নিবর্ত্তয় ॥২৫॥
অন্বিষ্যামীহ ভর্ত্তারমহং প্রেতবশং গতম্। উত্তিষ্ঠ ত্বং বিসৃজ্যৈনমিমান্ পালয় দারকান্ ॥২৬॥

মাদ্র্যুবাচ।

অহমেবানুযাস্যামি ভর্ত্তারমপলায়িনম্। নহি তৃপ্তাস্মি কামানাং জ্যেষ্ঠে! মামনুমন্যতাম্ ॥২৭॥
মাঞ্চাভিগম্য ক্ষীণোঽয়ং কামান্তরতসত্তমঃ। তমুচ্ছিন্দ্যামস্য কামং কথং ন যমসাদনে ॥২৮॥

কয় শেন্নজবনি। মৃগমুনিগী শাপপু লৈ হায়ব খ'ন-খংন করিগী নহাকপু নমতুনা মথা পোলহনখিবনো? ॥২০॥ মাদ্রী! নংদি ওস্থোকপনিদা! নংনা নিংথৌবু কল্লমগদবনিদকো, অদুবু করিগী নংনা নিংথৌবু ল্চীকপসিদা মিতৌহন্দুনা কামগী মথা পোলহল্লুরিবনো? ২১॥ মাদ্রী! নিংথৌ অসিদি মুমিৎ চুপ্প মৃগমুনিগী শাপ অসিত খন্দুনা, অকাওব লৈতনা নীংশিংতুনা লৈরিবনি, অদুবু অসিগুম্বা অবস্থাদ অচীকপা মকম অসিদা নংবু ফংবদা অমদি উনবদা নিংথৌগী মথৱাই কয়ামুকপু মুঙাইব পোকখ্রবা? ॥২২॥ ফরে, অদু মঙাইরে মাদ্রী! নংদি পুণ্য চেল্লবীনি, ঐঙোন্দগীসু নরাইবক ফরবীনি, মরমদি মথৱাইমুংঙাইরবা নপুরোইবা নিংথৌগী মাইথোংবু নংদি ময়েক লান উহৌরবীনি ॥২৩॥ মাদ্রীনা হাযখি — দেবি! ঐনা হয় হয় কপ লাওতুনা মহারাজবু খাগজবনি, অদুবু মুনিগী শাপপু অমদি লাইবক্ক তমথিব হায়বসিবু অচুম্বনি হায়বা প্রমাণ তৌরমগে হায়বগী মতাগুম ইন্দ্রিয়বু খুতুম চনব ভয়মদ্রে ॥২৪॥ কুন্তীনা হায়খি— ফরে, অদু মঙাইরে; ঐদি অহম্নিদো মাদ্রী, অদুনা ঐতনা ধর্ম্মপত্নী হায়বদু ওইগদবনি, মরম অতুনা ধর্ম্মপত্নী ওইবগী ধর্ম্মগী মহে অদো অহানবদা ঐনা ফংফম থোকই, অদুগা মতুংগীসু ঐগীনি। মরম অদুনা মাদ্রী! ইপুরোইবগা লোয়ননা সতী ওইদুনা শিজখিবদা নং ঐবু থক খিংগনু ॥২৫॥ ইপুরোইবসিগী মতুং ইনজখ্রগে। নংনা কোন্দুনা থমলিবা হকচাং অদু থাদোক্তুনা হৌগৎলকউ; অঙাংশিং অসে য়োকহৌরো লাও ॥২৬॥ মাদ্রীনা হায়খি— ঐবু থাদোকপিদ্রিবা ইপুরোইবসিবু থাদোকজরোই, ঐতনা মাগী মতুং ইনজখিগদবনি। মাগা লোয়ননা কামগী মায়াদা তিন্নবসি ঐ করিমতা পেনজহৌদ্রি। মরম অদুনা ইচে ইবেম্মা! ঐনা হায়জরিবসি য়াবিয়ু ॥২৭॥ অসিদি লায়রবনা, ইপুরোইব-নিংথৌসিনা মথৱাই থাখিব্রসি ঐগা তিন্নব-উনবদগীনি। অদুনদি করিগী ঐম্মা যমালয় কাওবা ইরইনা মথাক্ত অসিগুম্বা অয়াম-থৌমাংবসিবু কোকহল্লোইদগে ॥২৮॥

ন চাপ্যহং বর্তয়ন্তী নির্বিশেষং সুতেষু তে। বৃত্তিমার্য্যে চরিষ্যামি স্পৃষ্টমেনস্তথা হি মাম্ ॥২৯॥
তস্মান্মে সুতয়োঃ কুন্তি! বর্তিতব্যং স্বপুত্রবৎ। মাং হি কাময়মানোঽয়ং রাজা প্রেতবশং গতঃ ॥৩০॥
রাজ্ঞঃ শরীরেণ সহ মমাপীদং কলেবরম্। দগ্ধব্যং সুপ্রতিচ্ছন্নমেতদার্য্যে! প্রিয়ং কুরু ॥৩১॥
দারকেষ্বপ্রমত্তা চ ভবেথাশ্চ হিতা মম। অতোঽন্যন্ন প্রপশ্যামি সন্দেষ্টব্যং হি কিঞ্চন ॥৩২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ইত্যুক্ত্বা তং চিতাগ্নিস্থং ধর্মপত্নী নরর্ষভম্। মদ্ররাজসুতা তূর্ণমন্বারোহদ্যশস্বিনী ॥৩৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি
সম্ভবে পাণ্ডুপরমো নাম উনবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(*):—

ইচে ইবেম্মা! ঐদি পুকচেল ফৎতবীনিনা নচাশিং অসিবু ইচাগুম্মা যোকথাক্তনা পুনসি লেনবা ঙমগনি হায়বা উদে। অদু ওইরবদি ঐগী পাপকী শকক মহেনগদৌরি ॥২৯॥ অদুনা দেবী! ঐগী ইচা অনিসিবু নচামক্তি খন্দুনা যোকপিহো। ঐ চক্চখিগে, ঐগা ভিন্নকব্দগী ইপুরোইবগী মথন্নাই মাংখিবনি ॥৩০॥ অদুম অদুনা নিংথৌগী হকচাং অসিগা ঐগী হকচাংগা অমত্তা ওইনা পুন্সিন্দুনা কূপাশিন্দুনা মৈদা থাদোকপিয়ু, ঐনা পামজরিবা নীংজরিবসিদদি ইচেম্মা থুংহনবিয়ু ॥৩১॥ মতম অসুক কুইরবসি ইচে ইবেম্মনা ঐগী কান্নবা অফবত্তা তৌদুনা লাকপিরিবনি, ঐগী ইচা অনিসে শিন্নজরবনি, নিংথিনা মমা শক্তনা যোকপিরকউ। অসি নত্তনা ঐগী অতৈ অম পামজবা অমদি হায়জনীংভাই লৈজদ্রে ॥৩২॥ বৈশম্পায়মনা হায়খি — অসি হায়দুনা মদ্রদেশগী নিংথৌগী মচা সুপী, মিংচৎ চাওরবী মত্তী মাদ্রীনা শীং মথক্তা লৈথ্রবা মপুরোইবগী মতুং ইনথ্রগে হায়দুনা মহাকসু শীংথক্ত থুন-যাপ্প কাখৎখ্রে ॥৩৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ববদা সম্ভবতা 'পাণ্ডু পরম" কৌবা চাম তরামাপল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে ঋষিসংবাদঃ।

(মীয়োল-নিংথৌয়োল পোকপগী মতাংদা ঋষিসংবাদগী ৱারী)

(চাম্মা কুন শুবা অধ্যায়)

—(*)—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

পাণ্ডোরুপরমং দৃষ্ট্বা দেবকল্পা মহর্ষয়ঃ। ততো মন্ত্রবিদঃ সর্বে মন্ত্রয়াঞ্চক্রিরে মিথঃ ॥১॥

তাপসা ঊচুঃ।

হিত্বা রাজ্যঞ্চ রাষ্ট্রঞ্চ স মহাত্মা মহাযশাঃ। অস্মিন্ স্থানে তপস্তপ্ত্বা তাপসান্ শরণং গতঃ ॥২॥

স জাতমাত্রান্ পুত্রাংশ্চ দারাংশ্চ ভবতামিহ। প্রদায়োপনিধিং রাজা পাণ্ডুঃ স্বর্গমিতো গতঃ ॥৩॥

তস্যেমানাত্মজান্ দেহং ভার্য্যাঞ্চ সুমহাত্মনঃ। স্বরাষ্ট্রং গৃহ্য গচ্ছামো ধর্ম্ম এষ হি নঃ স্মৃতঃ ॥৪॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তে পরস্পরমামন্ত্র্য দেবকল্পা মহর্ষয়ঃ। পাণ্ডোঃ পুত্রান্ পুরস্কৃত্য নগরং নাগসাহ্বয়ম্ ॥৫॥

উদারমনসঃ সিদ্ধা গমনে চক্রিরে মনঃ। ভীষ্মায় পাণ্ডবান্ দাতুং ধৃতরাষ্ট্রায় চৈব হি ॥৬॥

তস্মিন্নেব ক্ষণে সর্বে তানাদায় প্রতস্থিরে। পাণ্ডোর্দারাংশ্চ পুত্রাংশ্চ শরীরে তে চ তাপসাঃ ॥৭॥

সুখিনী সা পুরা ভূত্বা সততং পুত্রবৎসলা। প্রপন্না দীর্ঘমধ্বানং সংক্ষিপ্তং তদমন্যত ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— মন্ত্র খংজবা অমদি দেবতাগা মান্নবা মহর্ষিশিংবু মহাক্না পাণ্ডুনা শিরকপু উবরা অমসা অমগা ৱাতান্নখি ॥১॥ তপস্বীশিংনা হায়খি— পুকচেল চাউরবা অমদি মিংচৎ চাউরবা পাণ্ডুনা লৈবাক নিংথৌগী ফুরুপ্, ফাদোকচুনা মফম অসিদা লাকচুনা, তপস্যা তৌরুনা মুনি ঋষি পুরকপী আশ্রয় লৌরুনা লৈরম্লি ॥২॥ হৌজিক্তি মহাক অসি মচাশিং অমসু মাগী মহারাণী অহল কুন্তী অসিবু ঐখোয়গী ইকমনা শিজরমহুনা স্বর্গদা চৎখ্রে ॥৩॥ পুকচেল চাউরবা অহল্লী মচাশিং অমসু, অহংগা মহারাণী কুন্তীসু পাণ্ডু মাদ্রী অনিগী অশিবা হকচাং অসিগা লোয়ননা পুরুনা হস্তিনাপুর তান্না চৎলসি, মাহৎ তৌবনা ঐখোয়গী অচুম্বা থবক ওইবা তাই ॥৪॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মতৌ অসুম্না পুকচেল চাউরবা, অমিনাবচিংবা সিদ্ধি ফংবা নিপাশিং, অমসু স্বর্গগী দেবতাগা মান্নবা মতিক মগুণ লৈরবা মহর্ষিশিং অহল্লা অমসু অমগা ৱা তানহুনা পাণ্ডুগী মচা মচা ভীষ্ম অমদি ধৃতরাষ্ট্রগী মখুৎতা শিন্নগে হায়রুনা মখোয়গা লোয়ননা হস্তিনাপুর তান্না চৎকে হায়রনা লেপ্লে ॥৫—৬॥ অমুনা মখোয় পুম্নমক সুমিৎ অমসু মতম্দা পাণ্ডুগী মচা মচা, কুন্তী, পাণ্ডু অমসু মাদ্রীগী অশিবা হকচাং, পুম্নমক অসি পুরুনা হস্তিনাপুরগী কোক্তুং তান্না যাত্রা তৌরকে ॥৭॥ মতা সুখিনবী কুন্তীনা শরণ লৌবা কায়রবা খোংচৎ থাবগে শাগে নাইত্তে অমদি মচুমচুগী মী পুম্নমক উৎলগনি হায়বগী পান্দমদা থবগাদি সুংলবনা কোক্তুং তান্না চৎলি; মাদ্রমক্তনা

সা স্বল্পীয়সৈব কালেন সম্প্রাপ্তা কুরুজাঙ্গলম্। বর্দ্ধমানপুরদ্বারমাসসাদ যশস্বিনী ॥৯॥

জনমেজয় উবাচ।

কস্মিন্ বয়সি সম্প্রাপ্তাঃ পাণ্ডবা গজসাহ্বয়ম্। সমপদ্যন্ত দেবেভ্যাস্তথামায়ুশ্চ কিং পরম্ ॥১০॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

পাণ্ডবানামিহায়ুষ্যং শৃণু কৌরবনন্দন!। জগাম হাস্তিনপুরং ষোড়শাব্দো যুধিষ্ঠিরঃ ॥১১॥

ভীমসেনঃ পঞ্চদশো বীভৎসুর্ব্বৈ চতুর্দ্দশঃ। ত্রয়োদশাব্দৌ চ যমৌ জগ্মতুর্নাগসাহ্বয়ম্ ॥১২॥

তত্র ত্রয়োদশাব্দানি ধার্ত্তরাষ্ট্রৈঃ সহোষিতাঃ। ষণ্মাসান্ জাতুষগৃহান্মুক্তা জাতো ঘটোৎকচঃ ॥১৩॥

ষণ্মাসানেকচক্রায়াং বর্ষং পাঞ্চালকে গৃহে। ধার্ত্তরাষ্ট্রৈঃ সহোষিত্বা পঞ্চ বর্ষাণি ভারত! ॥১৪॥

ইন্দ্রপ্রস্থে বসন্তস্তে ত্রীণি বর্ষাণি বিংশতিম্। দ্বাদশাব্দানথৈকঞ্চ বভূবুর্দ্যূতনির্জ্জিতাঃ ॥১৫॥

ভুক্ত্বা ষট্‌ত্রিংশতং রাজন্! সাগরান্তাং বসুন্ধরাম্। মাসৈঃ ষড়্‌ভির্মহাত্মানঃ সর্ব্বে কৃষ্ণপরায়ণাঃ ॥১৬॥

রাজ্যে পরীক্ষিতং স্থাপ্য দিষ্টাং গতিমবাপ্নুবন্। এবং যুধিষ্ঠিরস্যাসীদায়ুরষ্টোত্তরং শতম্ ॥১৭॥

দ্বারিণং তাপসা উচূ রাজানঞ্চ প্রকাশয়। তে তু গত্বা ক্ষণেনৈব সভায়াং বিনিবেদিতাঃ ॥১৮॥

তং চারণসহস্রাণাং মুনীনামাগমং তদা। শ্রুত্বা নাগপুরে নৄণাং বিস্ময়ঃ সমপদ্যত ॥১৯॥

শাংলবা লম্বী অদু তেনশিল্লবোই থল্লুরে ॥৮॥ মিংচৎ চাউরবী কুন্তীনা মতম থরগী মনুংদা কুরুদেশদা য়ৌখিল্লনা পাক-চাউরবা কোম্নুং অদুগী সনথোংদা থুংলুরে ॥৯॥ জনমেজয়না হায়খি— মুনিদেব! পাণ্ডুগী মচাশিং অদু চহি কয়া কয়া শুবা মতমদা কোম্নুংদা থুংখিবগে? অদুগা চহি কয়া কয়া শুরকপদা নোংগাখিবগে? অদুগা মখোয়গী পুন্সিনা চহি কয়া-কয়া শাংখিবা? ॥১০॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মহারাজ! পাণ্ডবশিংগী চহিগী মতাং পুন্সিগী মরমদা হায়জগে তাবিয়ু। যুধিষ্ঠিরনা চহি তরাতরুক হেক শুরকপদা হস্তিনাপুরদা লাকখি ॥১১॥ অদুগা ভীমনা চহি তরামঙা শুবা মতমদা, অর্জ্জুননা চহি তবামরি শুবা মতমদা অদুগা নকুল সহদেবনা চহি তরাহুমদোই চংলকপদা হস্তিনা পুরদা লাকখিবনি ॥১২॥ হস্তিনাপুর কোম্নুংদা মখোয়না দুর্য্যোধননাচিংবগা লোয়ননা চহি তরা হুমদোই চুপ্পা লৈখি। অদুগী মতুংদা থা তরুক চুপ্পা লৈরবা তুংদা চাশংদগী চেনখি, অদুদগী চেনখ্রগা বনদা ভীমগী মচা ঘটোৎকচ পোকখি ॥১৩॥ অদুগী মতুংদা মখোয়না একচক্রা পুরীদা থা তরুক, দ্রুপদনিংথৌগী লৈপাক্ত চহী অম, হস্তিনাপুরদা অমুক দুর্য্যোধননচিংবগা লোয়ননা চহি মঙা লৈরম্লগা তুংদ ইন্দ্রপ্রস্থদ চহি কুনহুমদোই লৈখি, অদুগী তুংদা চোবরদা মায়থীবা ফংদুনা চহী তরানিথোই বনদা অদুগা চহী অম শকথংহন্দনা লোৎখি ॥১৪—১৫॥ অদুগী তুংদ, চহী কুন্থ্রাতরুক লৈপাক শাক্লগা অভিমন্যুগী মচা পরীক্ষিৎতা লৈপাক শিন্নরমহুনা, অতেত অমা থন্দনা শ্রীকৃষ্ণতদ পুক্নিং চংহুনা, থা তরুক চুপ্প স্বর্গগী লম্বীদা চৎলমদুনা কোম্নুংদা নোংগাখি মাসিগী মতুং ইরা চহী মরাম অসি পাশিল্লবদি যুধিষ্ঠিরগী পুনশি অসি চহী চামগা নিপালনি ॥১৬—১৭॥ মহর্ষিশিংনা মরাম অসি পুদুনা শনথোংদা থুংলরবা মতমদা থোংশংবদা হায়খি— "থোংশংব শা! ঐখোয় লাকই হায়দুনা মনুংদ থর থংহল্লু।" অহদগী মখোয়গী মতম থরগী মনুংদা রাজসভাদা চত্তুনা হীরম থোদোক পুক্নুক অদু তপ্পুরে ॥১৮॥ চারণশিংগা লোয়ননা মহর্ষিশিংনা লাকপগী পাও অদু তরুবা হস্তিনা

মুহূর্ত্তোদিত আদিত্যে সর্বে ধালপ্ রক্তাঃ। সদারাস্তাপসান্ দ্রষ্টুং নির্যযুঃ পুরবাসিনঃ ॥২০॥
স্ত্রীসংঘাঃ ক্ষত্রসংঘাশ্চ যানসংঘসমাস্থিতাঃ। ব্রাহ্মণৈঃ সহ নির্জগ্মুর্ব্রাহ্মণানাঞ্চ যোষিতঃ ॥২১॥
তথা বিট্শূদ্রসংঘানাং মহান্ ব্যতিকরোঽভবৎ। ন কশ্চিদকরোদীর্ষ্যামভবন্ ধর্ম্মবুদ্ধয়ঃ ॥২২॥
তথা ভীষ্মঃ শান্তনবঃ সোমদত্তোঽথ বাহ্লিকঃ। প্রজ্ঞাচক্ষুশ্চ রাজর্ষিঃ ক্ষত্তা চ বিদুরঃ স্বয়ম্ ॥২৩॥
সা চ সত্যবতী দেবী কৌশল্যা চ যশস্বিনী। রাজদারৈঃ পরিবৃতা গান্ধারী চাপি নির্যযৌ ॥২৪॥
ধৃতরাষ্ট্রস্য দায়াদা দুর্যোধনপুরোগমাঃ। ভূষিতা ভূষণৈশ্চিত্রৈঃ শতসংখ্যা বিনির্যযুঃ ॥২৫॥
তান্ মহর্ষিগণান্ দৃষ্ট্বা শিরোভিরভিবাদ্য চ। ততঃ সংবিবিশুঃ সর্ব্বে কৌরব্যাঃ সপুরোহিতাঃ ॥২৬॥
তথৈব শিরসা ভূমাবভিবাদ্য প্রণম্য চ। উপোপবিবিশুঃ সর্ব্বে পৌরজানপদা অপি ॥২৭॥
তমকূজমভিজ্ঞায় জনৌঘং সর্ব্বশস্তদা। পূজয়িত্বা যথান্যায়ং পাদ্যেনার্ঘ্যেণ চ প্রভুঃ।
ভীষ্মো রাজ্যঞ্চ রাষ্ট্রঞ্চ মহর্ষিভ্যো ন্যবেদয়ৎ ॥২৮॥
তেষামথো বৃদ্ধতমঃ প্রত্যুত্থায় জটাজিনী। ঋষীণাং মতমাজ্ঞায় মহর্ষিরিদমব্রবীৎ ॥২৯॥
যঃ স কৌরবদায়াদঃ পাণ্ডুর্নাম নরাধিপঃ। কামভোগান্ পরিত্যজ্য শতশৃঙ্গমিতো গতঃ ॥৩০॥

পুরদা লৈবশিংগী থম্মোইদা অঙকপা পোকখি ॥১৯॥ নুমিৎন হেকহন্দোরকপা কাল অহদ, হস্তিনাপুরগী মী পুম্নমক মাগী মাগী নুপী অঙাংশিংগা লোয়ননা ময়ুমদগী-থোরক থোরক্লুনা লমজাও সোরোক্ত হায়গৎনরকলে ॥২০॥ তিল্লিবা মীশিং অদুগী মনুংদা বৈশ্য শূদ্রশিংগী মপৈ মপৈম্ন য়াওরি, অদুবু মতম অদদা, অমগা অমগা হক্তোইনবা, শোক্ল-পম্নবগী খেন্নব য়াখলনচিংবা করিমত্তা লৈনরমদে। মী পুম্নমক অসি অমত্তা ওইবগী য়াখলদা লোইনা ধর্ম্ম চেনবা মী ওইরম্মি ॥২২॥ শান্তনুগী মচা ভীষ্ম, সোমদত্ত, বাহ্লিক, মিৎ উত্রবা রাজর্ষি ধৃতরাষ্ট্র, সঞ্জয়, বিদুর, সত্যবতী দেবী, মিংচৎ-চাওরবী অম্বালিকা অদুগা নিংথৌগী লোয়নবীশিংনা ইকোয় কোযশিল্লবী গান্ধারী মখোয় পুম্নমক অসি মাগী মাগী লৈফমদগী লোইনা চেস্থোক্লরকলে ॥২৩-২৪॥ দুর্যোধন নচিংবা ধৃতরাষ্ট্রগী মচা চামা নিংখি-নিংখিনা ফীজেৎ লৈত্তেংদুনা থোক্লরকলে ॥২৫॥ অদুগী তুংদা রাজপুরোহিতশিংগা লোয়ননা কুরুবংশগী অহল লমন পুম্নমক্লা মহর্ষিশিং অদুবু উবদা মকোক নোল্ল-নোল্লদুনা, তরাম-তরামনা খুরুমজুনা ফমখি ॥২৬॥ অদুগা হস্তিনাপুর দেশগী অমসুং কোম্নংগী মী পুমনমক থুরম থুরমদুনা ক্রক ক্রক ইন্নরা থংন থংন ফম্মিরখি ॥২৭॥ মী পুমনংক্লা য়া অমত্তা ভাংদ মথৈ তুমিন-তুমিন ফমদুনা লৈবদু উবদা, মতিক-মগুণ চাওরবা, মীন-ইকায় খুমনরবা ভীষ্মনা পূজাগী পোৎলম পুমনমক শুনা পুশিল্লক্লুনা পূজা, তৌবগা মহর্ষিশিংগী মফমদ লৈপাক অমদি নিংথৌগী খুত্তম লাপ্পোকখি ॥২৮॥ অদুগী মতুংদা, মখোয়গী মসুংদ থবাইদগী অহল ওইরবা, জটা য়াংনা পুরিব, শক্তী-মউল শেৎলিবা মহর্ষি অমনা হৌগৎলক্লুনা ঋষি অত্তে পুম্নমক্কী মত্ত খংলবত্তুংদ য়াশিং অসি হায়রকই ॥২৯॥ ময়াম অমুক্ল তাবিয়ু, কুরুদেশ অসিগী অধিকারয়ু ফংকম থোক্লবা পাণ্ডুনা লৈপাক অসিগী অমত্ত ওইব নিংথৌ ওইখিবনি, মহাত্মা মশা অথক্লমা নীংতকপাগী মতুং ইন্না সিংহাসনদা ফমদনা রাজভোগ নচিংব ফংবগী নুত্তাইব পুম্নমক

ব্রহ্মচর্য্যব্রতস্যাস্য দিব্যেন হেতুনা । সাক্ষাদ্ধর্ম্মাদয়ং পুত্রস্তস্য জাতো যুধিষ্ঠিরঃ ॥৩১॥
তথৈনং বলিনাং শ্রেষ্ঠং তস্য রাজ্ঞো মহাত্মনঃ । মাতরিশ্বা দদৌ পুত্রং ভীমং নাম মহাবলম্ ॥৩২॥
পুরুহূতাদয়ং জজ্ঞে কুন্ত্যাং সত্যপরাক্রমঃ । যস্য কীর্ত্তির্মহেষ্বাসান্ সর্বানভিভবিষ্যতি ॥৩৩॥
যৌ তু মাদ্রী মহেষ্বাসাবসূত পুরুষোত্তমৌ । অশ্বিভ্যাং পুরুষব্যাঘ্রাবিমৌ তাবপি পশ্যত ।৩৪॥
চরতা ধর্ম্মনিত্যেন বনবাসং যশস্বিনা । এষ পৈতামহো বংশঃ পাণ্ডুনা পুনরুদ্ধৃতঃ ॥৩৫॥
পুত্রাণাং জন্ম বৃদ্ধিঞ্চ বৈদিকাধ্যয়নানি চ । পশ্যন্তঃ সততং পাণ্ডোঃ পরাং প্রীতিমবাপ্নুথ ॥৩৬॥
বর্ত্তমানঃ সতাং বৃত্তে পুত্রলাভমবাপ্য চ । পিতৃলোকং গতঃ পাণ্ডুরিতঃ সপ্তদশেঽহনি ॥৩৭॥
তং চিতাগতমাজ্ঞায় বৈশ্বানরমুখে হুতম্ । প্রবিষ্টা পাবকং মাদ্রী হিত্বা জীবিতমাত্মনঃ ॥৩৮॥
সা গতা সহ তেনৈব পতিলোকমনুব্রতা । তস্যাস্তস্য চ যৎ কার্য্যং ক্রিয়তাং তদনন্তরম্ ॥৩৯॥
ইমে তয়োঃ শরীরে দ্বে সুতাশ্চেমে তয়োর্বরাঃ । ক্রিয়াভিরনুগৃহ্যন্তাং সহ মাত্রা পরন্তপাঃ ॥৪০॥
প্রেতকার্য্যে চ নির্বৃত্তে পিতৃমেধং মহাযশাঃ । লভতাং সর্বধর্ম্মজ্ঞঃ পাণ্ডুঃ কুরুকুলোদ্বহঃ ॥৪১॥
এবমুক্ত্বা কুরূন্ সর্ব্বান্ কুরূণামেব পশ্যতাম্ । ক্ষণেনান্তর্হিতাঃ সর্বে তাপসা গুহ্যকৈঃ সহ ॥৪২॥

থাদোক্ত্না মফম অসিদগী শতশৃঙ্গ কৌব চীংদা চৎখিবনি ॥৩০॥ মফম অদুদা মহাত্মা ব্রহ্মচারী [illegible]দুনা [illegible] তৌদুনা লৈরবী, তাইবংমী অহৈনা থংলবা সাধন অমনা ধর্ম্ম কৌব দেবতাম[illegible] মচা নিপা অহল অসি পোকখিবনি; মহাক্কী মিংদি "যুধিষ্ঠির" কৌই ॥৩১॥ অতুম ওইবা মীচম্না [illegible] [illegible] মরম [illegible]দুনা বায়ুদেবতামক্না লাক্ত্না পাণ্ডুদা মচা অসিমগা লান তৌখিবি, মহাক্কী মমিংনা "ভীম" কৌই ॥৩২॥ দেবরাজ ইন্দ্রগী ঈদগী কুন্তীগী পর্ভদা মচাশিমগা পোকখি. মহাক্কী মতিক-মগুণ অমদি মিংচৎনা পৃথিবীগী অচৌ অচৌবা [illegible] মহারথী কয়াবু নমহৎকনি ॥৩৩॥ মাদ্রীদেবীনা মচা অনিসিমগা পোককনি । মখোয়সিনা অশ্বিনীকুমার অনিগী ঈদগী পোককনি । [illegible] ময়ামত্ত অঙাং অনিসি ॥৩৪॥ অতম লৈবখিবক্ত । ধর্ম্মদা পুক্নিং চংলবা অমদি মিংচৎ চাওরবা পাণ্ডুনা বনদা লৈদুনত্ত মপামপুগী বংশবু অমুক থাংগৎলমলে ॥৩৫॥ পাণ্ডুগী মচাশিংগী [illegible] মপোকপগী লোয়নবকপা, শুণ, হীরম পূর্নমক্ত মথং মথং চাওথকলকপা অমদি বেদপাঠনচিংবদা [illegible] হংবা হৈবগী শক্তি, ময়াম্না অপম উঁশিরম্নগদ্ধ পেনলিগনি ।৩৬॥ পাণ্ডুনা বনদা সাধুসমাজগী [illegible] লৈরগা, মচাশিং অসি ফংদুনা মতম খরগী য়োকলম থাম্নগা ভুসিদগী থা অমিগা পুমিৎ তরানিদা মহাইখি, লোংপাখিদা [illegible] মপুরোইব পাণ্ডুনা মথম্বাই থাংব্রদা মাদ্রী দেবীসু যোগগী পাইক্তদা মথম্বাই থাংব্রনি ॥৩৮॥ [illegible] [illegible] লোয়নদা পরলোকতা চংখ্রনি । অদুনা প্রেতকিক্ক পাণ্ডু অমদি মাদ্রীগী [illegible] তৌনবা [illegible] পুরমক ময়াম্না থদুন অতুম তৌবিয়ু ॥৩৯॥ তফিদা তারিব অনি অসি [illegible] [illegible] [illegible] হকচাংনি, অদুগা লৈরিবশিং অসিনা হাগ্খিব্রা করবা মচামচা অদুনি । [illegible], [illegible] [illegible] পূর্বদা মখোয়সিবু [illegible] মমা লুপ্ত্রীশিদা লোয়নদা [illegible] [illegible] [illegible] ॥৪০॥ [illegible] মচিংব প্রেতকর্ম্ম পুরমক লোয়রগা, মিচৎ চাওরবা, ধর্ম্মগী তত্ত্ব পূর্বা [illegible], কুরুশাইগী [illegible] পাণ্ডুগী পিতৃগী হৌনবি থবক শুদ্ধ পাংথোকপিবগী [illegible] ॥৪১॥ কুরুশাগী [illegible]

[illegible] পুনঃ । ঋষিসিদ্ধগণং দৃষ্ট্বা বিস্ময়ং তে পরং [illegible] ।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি

[illegible] ঋষিসম্বাদো নাম বিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ [illegible] ॥

—:(০):—

মী পুন্নমক্ত অম্ম হায়রগা মহর্ষিশিং অহ্ মখোয়গী মকমদগী বিদায় লৌরগা চারণশিংগা লোয়ননা মযম অতুদগী মাংখোকখি ॥৪২॥ গন্ধর্ব্বলোককী গন্ধর্বশিং বিমানগী মতৌগুম লংলবা মহর্ষিশিংগী মশেক-মণ্ডালগী মপে অতুন্থ খুদক্ত মূংখি। লৈহৌরিবা মী পূন্নমক মহর্ষিশিংগী তপস্যাগী শক্তি অতুমু উবদা ইওক ওক্তুমা লৈহৌই ॥৪৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা ঋষিসংবাদ কৌবা চাম কুন শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে পাণ্ডুদহঃ।

(মীরোল-নিংখৌরোল পোকপগী মতাংদা পাণ্ডুদাহোম্বী ব্বারী)

(চামা কুনমাথোই শুবা অধ্যায়)

—:(০):—

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

পাণ্ডোর্ব্বিদুর! সর্বাণি প্রেতকার্য্যাণি কারয়। রাজবদ্রাজসিংহস্য মাদ্র্যাশ্চৈব বিশেষতঃ ॥১॥

পশূন্ বস্ত্রাণি রত্নানি বিবিধানি ধনানি চ। পাণ্ডোঃ প্রয়চ্ছ মাদ্র্যাশ্চ যেভ্যো যাবচ্চ বাঞ্ছিতম্ ॥২॥

যথা চ কুন্তী সৎকারং কুর্য্যান্মাদ্র্যাস্তথা কুরু। যথা চ বায়ুর্নাদিত্যঃ পশ্যেতাং তাং সুসংবৃতাম্ ॥৩॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়খি— বিদুর! নিংখৌ অহোইবা পাণ্ডুনী অমসি মহারাণী মাদ্রীনী নিংথৌগী [illegible] পোক্লোম সমপোক পুন্নক শিন্নাংঙনা [illegible] অমক পুন্নক থুনা পাংথোক্লবা [illegible] ॥১॥ পাণ্ডু অমসি মাদ্রীনী [illegible] [illegible] মীনা [illegible] [illegible] ॥২॥ [illegible] কুন্তীনা [illegible] প্রেতশী অমক পুন্নক পাংথোকচবা [illegible] অদুগা

ন শোচ্যঃ পাণ্ডুরনঘঃ প্রশস্তঃ স নরাধিপঃ। যস্য পঞ্চ সুতা বীরা জাতাঃ সুরসুতোপমাঃ ॥৪॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

বিদুরস্তং তথেত্যুক্ত্বা ভীষ্মেণ সহ ভারত। পাণ্ডুং সংস্কারয়ামাস দেশে পরমপূজিতে ॥৫॥

ততস্তু নগরাত্তূর্ণমাজ্যগন্ধপুরস্কৃতাঃ। নির্হৃতাঃ পাবকা দীপ্তাঃ পাণ্ডো রাজপুরোহিতৈঃ ॥ ৬ ॥

অথৈনামার্ত্তবৈঃ পুষ্পৈর্গন্ধৈশ্চ বিবিধৈ র্বরৈঃ। শিবিকাং তামলঙ্কৃত্য বাসসাচ্ছাদ্য সর্ব্বশঃ ॥৭॥

তাং তথা শোভিতাং মাল্যৈর্ব্বাসোভিশ্চ মহাধনৈঃ। অমাত্যা জ্ঞাতয়শ্চৈনং সুহৃদশ্চোপতস্থিরে ॥৮॥

নৃসিংহং নরযুক্তেন পরমালঙ্কৃতেন তম্। অবহন্ যানমুখ্যেন সহ মাদ্র্যা সুসংবৃতম্ ॥৯॥

পাণ্ডুরেণাতপত্রেণ চামরব্যজনেন চ। সর্ব্ববাদিত্রনাদৈশ্চ সমলঞ্চক্রিরে ততঃ ॥ ১০ ॥

রত্নানি চাপ্যুপাদায় বহূনি শতশো নরাঃ। প্রদদুঃ কাঙ্ক্ষমাণেভ্যঃ পাণ্ডোস্তত্রৌর্দ্ধদেহিকম্ ॥১১॥

অথ ছত্রাণি শুভ্রাণি চামরাণি বৃহন্তি চ। আজহ্রুঃ কৌরবস্যার্থে বাসাংসি রুচিরাণি চ ॥ ১২ ॥

যাজকৈঃ শুক্লবাসোভির্হূয়মানহুতাশনাঃ। অগচ্ছন্নগ্রতস্তস্য দীপ্যমানাঃ স্বলঙ্কৃতাঃ ॥ ১৩ ॥

সুংশিৎ-সুংশানা মাদ্রীগী মশাদা চংবা ওমদনবা নংনা মাহুগী ব্যবস্থা তৌ ॥৩॥ পাপ চেন্দ্রবা পাণ্ডুদা ন্নাননবগী মরম করিমতা লৈতে, অহোয়নদুম মহাক্তি হীরম পুমনমক্তা থঙৎনিংঙায়গী মশকনি। মরমদি শিখ্রবস্যু দেবতাগা মান্নবা মচা মঙা পোক্লমবনি ॥৪॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— "মাদুমক তৌজগনি" অস্নম হায়দুনা বিদুরনা ভীষ্মগা তান্নদুনা থোইদোক্লা শেংলবা মফম অমদা পাণ্ডুগী সংস্কার তৌননবা লেপখি। ৫॥ অদুগী মতুংদা পাণ্ডুগী দাহা তৌননবা, রাজপুরোহিতশিংনা ধুপ অমদি ঘীতনা মনম সুংশিহল্লবা মৈরী ফংনা চাক্লবা মৈহুম পুদুনা কোন্নুংদগী পোৎলোয়ফম তাম্না থোরকই ॥৬॥ অদুগী মতুংদা পাত্র-মিত্র, শাগৈ নাতৈ, মরূপ মপাং, পুমনমক্লা নিংথৌগী পোৎলোয় শম্পোৎনা থল্লবা, কাইরেন-কাইজাউ সম্তুক অদু পুথোরক্লুনা, সম্তুক অদুবু অমুক মতম অদুগী ঋতুগী মথল মথা অযাম্বা লৈ-লৈ পুমনমক্লা বুপ্তুনা, মনম সুংশিববা চন্দননাচিংবনা খিক্লুনা অমসুং মায়কৈ মরিমক্তা মমল য়াম্নবা ফিনা ইকোয কোইশিন্দুনা অদুগা লৈ পবেং মথল-মথলনা নিংথিজনা য়েংশিন্দুনা, পাণ্ডুনা লৈরিবা মফম অদুদা য়ৌরক্লে ॥৭—৮॥ মপোয়না নিংথিনা লৈতেংলবা অমদি মী ময়ামনা ওমশিন্দুনা পুরক্লিবা সম্তুক মনুংদা মাদ্রীগা লোয়ননা পাণ্ডুবু ফিনা ইযোম য়োমশিন্দুনা হাপচিল্লগা পোৎলোয়যম তাম্না পুখি ॥৯॥ কনা কনাগুম্বনা ছত্র অঙৌবা খাংল্লি, কনা কনাগুম্বনা কাংহাই-চামর থোগল তৌরি, অহংগা পুং শেল, ঈশৈ শকপা হৈবা মী মপৈ মপৈনা মথল মথা অয়াম্বা যন্ত্র পাইদুনা বাঞ্জ চাউনা পোংলোয়যম তল্লা চৎলি ॥১০॥ মী চাম চামনা সনা, লুপা, মণি মুক্তান থল্লবা পাত্র পায়দুনা তিংংরিবা লায়র চুথবা মীয়াম খিরিক্তা সনা লুপাশিং অদু দান তৌরি অমদি চাইরি ॥১১॥ মী কযান অঙৌবা ছত্র, পুংলবা চাউববা চামর অমদি মী কয়ান সনা লুপানা সুৎলবা ফিরোন পুর পুরদুনা পাণ্ডু নিংথৌগী থোগল তৌদুনা চৎলি ॥১২॥ ব্রাহ্মণ কয়ানা নিংথিজবা অঙৌবা ফিডৌ শেত্নুনা পাণ্ডুগী অগ্নি হোত্রগীদমক্ত মৈরী ফংনা চাকপা শীং পায় পাইদুনা পাণ্ডুগী

ব্রাহ্মণাঃ ক্ষত্রিয়া বৈশ্যাঃ শূদ্রাশ্চৈব সহস্রশঃ। রুদন্তঃ শোকসন্তপ্তা অনুজগ্মুর্নরাধিপম্ ॥ ১৪ ॥
অয়মস্মানপাহায় দুঃখে চাধায় শাশ্বতে। কৃত্বা চাস্মাননাথাংস্ত্বং ক যাস্যসি নরাধিপ। ॥ ১৫ ॥
ক্রোশন্তঃ পাণ্ডবাঃ সর্ব্বে ভীষ্মো বিদুর এব চ। রমণীয়ে মনোদ্দেশে গঙ্গাতীরে সমে শুভে ॥ ১৬ ॥
ন্যাসয়ামাসুরথ তাং শিবিকাং সত্যবাদিনঃ। সভার্য্যস্য নৃসিংহস্য পাণ্ডোরক্লিষ্টকর্ম্মণঃ ॥ ১৭ ॥
ততস্তস্য শরীরং তৎ সর্বগন্ধাধিবাসিতম্। শুচিকালীয়কাদিগ্ধং দিব্যচন্দনরূষিতম্ ॥১৮॥
পর্য্যসিঞ্চন্ জলেনাশু শাতকুম্ভময়ৈর্ঘটৈঃ। চন্দনেন চ শুক্লেন সর্বতঃ সমলেপয়ন্ ॥১৯॥
কালাগুরুবিমিশ্রেণ তথা তুঙ্গরসেন চ। অথৈনং দেশজৈঃ শুক্লৈর্বাসোভিঃ সমযোজয়ন্ ॥২০॥
স ছন্নঃ স তু বাসোভির্জীবন্নিব নরাধিপঃ। শুশুভে স নরব্যাঘ্রো মহার্হশয়নোচিতঃ ॥২১॥
যাজকৈরভ্যনুজ্ঞাতে প্রেতকর্ম্মণ্যনুষ্ঠিতে। ঘৃতাবসিক্তং রাজানং সহ মাদ্র্যা স্বলঙ্কৃতম্ ॥২২॥

মাংথানা চৎলি, অঙোবা ফিজোন শেৎলবা রাজপুরোহিতশিংনা অহগুম্বা মৈ অদুদা বেদগী মন্ত্র উচ্চারণ তৌর তৌরদুনা হোম তৌদুনা চৎলি ॥১৩॥ অম্রাবনা লাংতক্করবা ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্রনা কপ্ল-কপ্লা পাণ্ডুগী মতুং ইন্দুনা চৎলি ॥১৪॥ মতম অদুদা প্রজা পুম্নমক্না অসুম হায়না তেংথানা কপ্খি—

হা। ইনিংথৌ ইবুংঙো।
তোল্লবা ননাই ঐখোয়বু
সুমিৎ থানা পাল্লিমখৈ
কায়ন—ইপাক্কা থাদবিরগা
চংজকম লৈত্রবা ঐখোয়বু
হুন্দোকপিরম্লে হ য়রগা
মফম কৈদা লেংখিগ্রবনো? ॥১৫॥

অদুগী মতুংদা পাণ্ডুগী মচা মঙানা, ভীষ্ম, অমদি বিদুরনা থমোই শোকনা লাউথোংলদুনা, গঙ্গা তুরেনগী তোর্ব্বান্দা, বনগী ফজরবা মফমদা, লৈতেম মান্নবা মফমদা, নমথিহঙাই লৈতবা মফমদা অচুম্বা ঙাংবা, মী অথোইবা, ইরায়-লায়না থবক পুম্বা পাংথোকপা ওম্বা, পাণ্ডু অমদি মাদ্রীগী সম্বুক অদো থাংথরে ॥১৬—১৭॥ অদুগী মতুংদা মথোয়গী অসিবা হকচাং অনিহু মনম মুংশিরবা থাওনাচিংবা অমদি শেংলবা অগরু, রক্তচন্দন অসি নত্তবা অতৈ পোৎশকখিবক্কা তৈর চাইর দুনা মনম মুংশিহল্লি, অহদগী সনাতনা শাবা চফুদা হাপ্না ঈশিংনা স্নান তৌথোক্রে, অহগী তুংদা শ্বেতচন্দননচিংবনা পাম্বোম থবাক্লাচিংবা মফম পুম্নমক্না তৈ ॥১৮—১৯॥ অদুগী মতুংদা কৃষ্ণাগুরু কৌবা চন্দনখিরুব তুঙ্গ অমদি পুন্নগ কৌবগী রস তৈরবা ফিজোন অঙোবনা পাণ্ডুবু থোনখি ॥২০॥ মফল যান্নবা মোল্লুম মোনতেক মথক্তা চেম্নদ মতিক চারবা, মী অথোইবা পাণ্ডুনা ফিঙৌ শেত্তুনা কাইরেন-কাইজাঙ মসুংদা লৈবত্নদি থাজৈশেংনা শিত্রিবঙম নিংথিজখি ॥২১॥ অদুগী মতুংদা রাজ-

ভুজগপতিকৃতেন কল্পিতেন প্রজ্বলিতা । অত্যুগ্র বিবিধৈর্বাক্যৈর্বর্দ্ধিতা সমাহরন্ ॥২২-২৩॥
ততস্তয়োঃ শরীরে তে দৃষ্ট্বা মোহবশং গতা । হা হা পুত্রেতি কৌশল্যা পপাত সহসা ভুবি ॥২৪॥
তাং প্রেক্ষ্য পতিতামার্ত্তাং পৌরজানপদো জনঃ । রুরোদ দুঃখসন্তপ্তো রাজভক্ত্যা কৃপান্বিতঃ ॥২৫॥
ক্লান্তানাঞ্চৈবার্ত্তনাদেন সর্ব্বাণি চ বিচুক্রুশুঃ । মানুষৈঃ সহ ভূতানি তির্য্যগ্‌যোনিগতান্যপি ॥২৬॥
তথা ভীষ্মঃ শান্তনবো বিদুরশ্চ মহামতিঃ । সর্ব্বশঃ কৌরবাশ্চৈব প্রাণদন্ ভৃশদুঃখিতাঃ ॥২৭॥
ততো ভীষ্মোঽথ বিদুরো রাজা চ সহ পাণ্ডবৈঃ । উদকং চক্রিরে তস্য সর্ব্বাশ্চ কুরুযোষিতঃ ॥২৮॥
চুক্রুশুঃ পাণ্ডবাঃ সর্ব্বে ভীষ্মঃ শান্তনবস্তথা । বিদুরো জ্ঞাতয়শ্চৈব চক্রুশ্চাপ্যুদকক্রিয়াঃ ॥২৯॥
কৃতোদকাংস্তানাদায় পাণ্ডবান্ শোকবিহ্বলান্ । সর্ব্বাঃ প্রকৃতয়ো রাজন্ ! শোচন্ত্যঃ পর্য্যবারয়ন্ ॥৩০॥
যথৈব পাণ্ডবা ভূমৌ সুষুপুঃ সহ বান্ধবৈঃ । তথৈব নাগরা রাজন্ ! শিশ্যিরে ব্রাহ্মণাদয়ঃ ॥৩১॥

পুরোহিতশিংগী ইঙ্গিত-য়াথং মতুংইন্না পাণ্ডু মহারাজবু পৈথৎলিবা শীং অহুবু য়েংলোইননা কোইহল্লগা মাদ্রীগী হকচাংগা লোয়ননা পাণ্ডুগী হকচাং অহুবুসু মনম মুংশিরবা থীনা পুমতৈ তৈহুনা, পুন্নাগ অমদি পদ্ম কাষ্ঠনচিংবা মনম মুংশিরবা চন্দন কাষ্ঠনা শীং অহুবু মৈ চুহুনা অনিমক্কী দাহা তৌবা হৌখ্রে ॥২২—২৩॥ অহগী মতুংদা পাণ্ডু অমদি মাদ্রীগী হকচাংনা তুমথ্রবা কান্দা অম্বালিকা কৌবী মমা সতীনা— "হা ইমাগী ইবুংঙো ! ইমাবু থাদোক্তুনা থগথ্রবোই" অহুম হায়না তেংথা তেংথানা খুদক্তা জ্ঞান য়াওদনা লৈমাইথক্ত তুহনা হাম্থি ॥২৪॥ লৈমাইদা হাম্থুনা তুহনা লৈবত্ত উবদা তিল্লিব হস্তিনাপুরগী অমদি কোন্নুংগী মী পুন্নমক্সু থমোই পুবা য়ায়ক্তহুনা পাণ্ডুবু অমদি অম্বালিকাবু মুংশিবদগী থমোই শোকনা তেংথা নাওইনা কপ্লখি ॥২৫॥ লুখ্রবী কুন্তীগী মুংশি মুংঙোলবগী হাহেন কপ্পা তেংথা-খোল্লেনবু তাবদা বনগী শা উচেক কাউবগী অকক্লগী খোল্লেমা তাইবংমীগী খোল্লেনগা অমতা ওইনখি ॥২৬॥

অমগী মতুংদা শান্তনুগী মচা ভীষ্ম, হাথল চাউরবা ধর্ম্ম চেল্লবা বিদুর অসি নত্তনা অতৈ কুরু শাগৈগী অহন লম্মন পুম্নমনা খাংবা ওমদহুনা কপ্লখি ॥২৭॥ অহুগী তুংদা ভীষ্ম, বিদুর, ধৃতরাষ্ট্র অমদি লুখ্রবী কুরু শাগৈগী মৌ মরাম্না অমতা ওইনা পুলশনা পাণ্ডুগী পার্থিব শরীর অমদি তর্পণনাচিংবা তৌখি ॥২৮॥ পাণ্ডুনা থনম্বা অভাং মতা, শান্তনুগী মচা ব্রহ্মচারী ভীষ্ম, মহাজ্ঞানী বিদুরনাচিংবা শাগৈ নাতৈশিংনা হিক্ক হিক্কা কপ্পুনা রাজপুরোহিতশিংনা মন্ত্র খিহুনা তর্পণ তৌবা হৌখ্রে ॥২৯॥ তর্পণ তৌবা লোয়রবদা অম্বাকনা থমোই থম্নবা পাণ্ডুগী মচাশিংবু পুৎশরনা পুন্নমনা, গঙ্গা অপান্দা শারিবা য়ুম অহ তাম্না য়োনক্লগা ময়াম অহুনা কোইহনম কপ্পরনা মুংশি মুংঙোলবা হাহেক অম্বা পাঙমেন্নখি ॥৩০॥ অহুগী তুংদা, শাগৈ নাতৈগা লোয়ননা পাণ্ডুগী মচা মচানো আসন ইথা-থাদনা লৈমিন থক্তা হিপখি, হামিন্নবা ফোংদোকপাত্তম কোন্নুংগী মী কয়াম, ব্রাহ্মণশিংজা লোয়ননা, কাঙিহু ইথা-থাদনা মফম অহুনা য়াম্নেকখি ॥৩১॥

তদনানন্দমস্বস্থমাকুমারমহৃষ্টবৎ । বভূব পাণ্ডবৈঃ সার্দ্ধং নগরং বারণ সাহ্বয়ম্ ॥৩২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

সম্ভবে পাণ্ডুদাহো নামৈকবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—০:(*):০—

অতুগী মতুংদা অতাংশিং অতুগা লোয়ননা কোন্নুংদা লৈবা মী পুম্নমক পোৎলোইখিদা নুমিত্তগী নুমিৎ তারানিথোই চুপ্পা হরাও তয়াম্বা থাদোক্ত্না, কোন্নুংগী হরাও কুইদ্রে পুম্নমক চপ লেপ্ত্না, লৈবাক অতুগী মুপী অঙাং ফাউবা শান্নবা তোক্ত্না লৈখিবনা হস্তিনাপুরস্থ নুমিৎ তরানিথোইনি চুপ্পা উনমুক চাকখি ॥৩২॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা পাণ্ডুদাহো কৌবা চামগা কুনমাথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—০:(*):০—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে সত্যবত্যাদিপ্রয়াণং নামঃ

(মীরোল—নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা "সত্যবত্যাদিপ্রয়াণ"গী ৱারী)

(চাম্মা কুননিথোই শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ততঃ কুন্তী চ রাজা চ ভীষ্মশ্চ সহ বন্ধুভিঃ । দদুঃ শ্রাদ্ধং তদা পাণ্ডোঃ স্বধামৃতময়ং তদা ॥১॥
কুরূংশ্চ বিপ্রমুখ্যাংশ্চ ভোজয়িত্বা সহস্রশঃ । রত্নৌঘান্ বিপ্রমুখ্যেভ্যো দত্ত্বা গ্রামবরাংস্তথা ॥ ২ ॥
কৃতশৌচাংস্ততস্তাংশ্চ পাণ্ডবান্ ভরতর্ষভান্ । আদায় বিবিশুঃ সর্বে পুরং বারণসাহ্বয়ম্ ॥৩॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অসিগী তুংদ, তরাহুমদোইহিনি চামনা নুমিত্ত পাণ্ডুগী মচা অমদি কুন্তীনা ধৃতরাষ্ট্র ভীষ্ম অমদি শাগে নাইত্তে মরুপ মপাংশিংগা লোয়ননা অমদি মথোয়গী মহুতেনা অমুক অহাও অমদি পোৎচৈ মথম মথম পাণ্ডু অদুগী অশিগী শ্রাদ্ধ চিংশিন শোনখি। কুরু বংশগী শাগে নাইত্তে অমসুং অথোই অথোইব ব্রাহ্মণ লিশিং লিশিংবু অহাও অমুম চাক্না পোৎ পীরগদুনা ব্রাহ্মণশিং অমুদা শনা লুপা রাজা অমদি খুঙং কয়া অয়াম্ব পীরগা লৌশি ॥১—২॥ অদুগা অদি লোইরব তুংদ, হস্তিনাপুরগী লৈবা মীশিংনা ভরত শাইতোনা থিরোই মীরোলগী ওইবা পোৎলমবা পাণ্ডব

সততঞ্চাম্বশোচন্ত তমেব পুরুষর্ষভম্। পৌরজানপদাঃ সর্বে মৃতং স্বমিব বান্ধবম্ ॥৪॥
শ্রাদ্ধাবসানে তু তদা দৃষ্ট্বা তং দুঃখিতং জনম্। সম্মূঢ়াং দুঃখশোকার্ত্তাং ব্যাসো মাতরমব্রবীৎ ॥৫॥
অতিক্রান্তসুখাঃ কালাঃ পর্য্যুপস্থিতদারুণাঃ। শ্বঃ শ্বঃ পাপিষ্ঠদিবসাঃ পৃথিবী গতযৌবনা ॥৬॥
বহুমায়াসমাকীর্ণো নানাদোষসমাকুলঃ। লুপ্তধর্ম্মক্রিয়াচারো ঘোরঃ কালো ভবিষ্যতি ॥৭॥
কুরূণামনয়াচ্চাপি পৃথিবী ন ভবিষ্যতি। গচ্ছ ত্বং যোগমাস্থায় যুক্তা বস তপোবনে।৮॥
মা দ্রাক্ষীস্ত্বং কুলস্যাস্য ঘোরং সংক্ষয়মাত্মনঃ। তথেতি সমনুজ্ঞায় সা প্রবিশ্যাব্রবীৎ স্নুষাম্ ॥৯॥
অম্বিকে! তব পৌত্রস্য দুর্নয়াৎ কিল ভারতাঃ। সানুবন্ধা বিনঙ্ক্ষ্যন্তি পৌরাশ্চৈবেতি নঃ শ্রুতম্ ॥১০॥
তৎ কৌশল্যামিমামার্ত্তাং পুত্রশোকাভিপীড়িতাম্। বনমাদায় ভদ্রং তে গচ্ছাম যদি মন্যসে ॥১১॥
তথেত্যুক্তা সাম্বিকয়া ভীষ্মমামন্ত্র্য সুব্রতা। বনং যযৌ সত্যবতী স্নুষাভ্যাং সহ ভারত! ॥১২॥

মঙাগা লোয়ননা হস্তিনাপুর কোন্নুংদা চংখি ॥৩॥ হস্তিনাপুরদ চংথ্রব তুংদ, দেশবাসী অমদি পুরবাসী পুম্নমক্ক মখোয় মখোয়গী মচা মশুমক কায়নবগুম্না নিপারক্কগী অথোইবা পাণ্ডুতা খন্দুনা মাগী দমক্তা অৱাব ফোংদোকখি ॥৪॥ কায়নবগী মৈচাক্ক ৱারব লাংতক্করবা মী পুম্নমক অহবু উবদা, সুমিৎ চুপ্পা তেংথা নাওইবতনা ৱারবী, জ্ঞান তাত্রবী অমদি ৱাস্থদন ঙাক লৈরবী মমা সত্যবতীদা ব্যাসনা হায়খি ॥৫॥ ইমা! সুংঙাইব মতম হৌথরে, হৌজিক্তি অকিবগী মশক ফংলবা অৱাব খুদোংথীব, মতথিরবা থৌদোক কয়া কয়া মথং শীৎনা লাক্কদৌরি, হান্ন হান্নগী মমাং থাব থাব সুমিত্তগী মতুং মতুংগী সুমিৎনা অসুম অম্নম সুংঙাইতবা অৱাব অমসুং পাপকী থবক্ত পুক্লিং চংব হেঞ্জিন্নরক্কগদবনি। হৌজিক পৃথিবী মাতংগী মথোং কারকপগী চক্কী মতাং হৌথরে ॥৬॥ অকিব ফংলবা মতম লাক্রে, লোক সমাজ পুম্বা মখল মখা অয়াম্ব দোষনা মাণ্ডনরক্কগনি অমসুং মাংনরক্কগনি। ধর্ম্ম কর্ম্ম পুম্ব মথং মথং থাদোক্করক্কগনি, অফব লমচৎ ব্যবহার, থৎশি থাসি নাইব পুম্বা থাদোক্করক্কগনি, অতুদগী হেন্দুনা, সুপী অঙাং থাক্কূনা পুনশি লেনবা ফাওবা ৱানা থোক্করগনি ॥৭॥ "কৌরবশিংগী ফত্রব ব্যবহারনা পৃথিবী পুম্বসি মীরোল মথং মথং নীংথি সুঙাইনা লৈহোররোই। অদুনা ইমা! নহাক্তি যোগিনী ওইদুনা যোগসাধন তৌদুনা, তপোবনদা চত্তূনা মফম অদুদা লাইনীংদুনা পুনশি লেনবিয়ু" ॥৮॥ "নশাগী অসিগুম্বা কুরুবংশনা অকিব ফংনা মুৎকদৌরিবসে অমুক উবিরগনু ইমা!" "ফরে, অদুনা" ফব তাই" অসুম হায়না বেদব্যাসনা হায়বা ৱা অদু য়াদুনা সত্যবতীনা অন্তঃপুর মনুংদ চংখিদুনা মমৌ অম্বিকাদা হায়খি ॥৯॥

অম্বিকা! নশু নিপা দুর্য্যোধনগী ফত্তব ব্যবহারনা শাগে নাত্তে মরূপ মপাং পুম্নমক্কা লোয়ননা ভরতবংশগী অকন অথৌ পুম্নমক অমদি হস্তিনাপুরবাসী পুম্বা শোয়দনা মুৎলরগদবনি হায়রবসি ঐ তারে ॥১০॥ অদুনা ঐনা হায়রিব অসিনা অচুম্বনি হায়না য়ানীংলবদি মচা কায়নবগী ৱারবী অম্বালিকাগ লোয়ননা ঐখোয় বনদা চৎলসি। অসুম তৌরবদি নংগীসু মঙ্গল ওইগনি ॥১১॥ "য়াম্ন ফনি" অসুম হায়না অম্বিকানা য়ারবদা ৱাশক চেৎলবী, ব্রত কল্লবী সত্যবতীনা ভীষ্মগা য়ানরদুনা অম্বিকা অম্বালিকা কৌবী মমৌ অনিগা লোয়ননা তপস্যা তৌথ্রগে হায়দুনা তপোবন চংখি ॥১২॥

তাঃ সুঘোরং তপস্তপ্ত্বা দেব্যো ভরতসত্তম!। দেহং ত্যক্ত্বা মহারাজ! গতিমিষ্টাং যযুস্তদা ॥১৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

সম্ভবে সত্যবত্যাদিপ্রয়াণং নাম দ্বাবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(*):——

মখোয়না মফম অহুদা চৎখিহনা অকিব কংন অকনব তপস্যা তৌরবা তুংদা মীরমলেন হকচাং থাদোক্ত্না মানা মানা পামজব লম্বীদা নোংগাখি ॥১৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংব সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা "সত্যবত্যাদিপ্রয়াণ" কৌবা চামা কুনিথোই শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে ভীমসেনবসপানং নামঃ।

(মীরোল নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা ভীমসেনরসপানগী ৱারী)

(চাম কুনহুমদোই শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

অথাপ্লুবন্তো বেদোক্তান্ সংস্কারান্ পাণ্ডবাস্তদা। সংব্যবর্দ্ধন্ত ভোগাংস্তে ভুঞ্জানাঃ পিতৃবেশ্মনি ॥১॥

ধার্ত্তরাষ্ট্রৈশ্চ সহিতাঃ ক্রীড়ন্তো মুদিতাঃ সুখম্। বালক্রীড়াসু সর্ব্বাসু বিশিষ্টাস্তে ভবাঽভবন্ ॥২॥

জবে লক্ষ্যাভিহরণে ভোজ্যে পাংশুবিকর্ষণে। ধার্ত্তরাষ্ট্রান্ ভীমসেনঃ সর্ব্বান্ স পরিমর্দ্দতি ॥৩॥

হর্ষাৎ প্রক্রীড়মানাংস্তান্ গৃহ্য রাজন্! বিলীয়তে। শিরঃসু বিনিগৃহ্যৈতান্ যোধয়ামাস পাণ্ডবঃ ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অসিগী তুংদা সংস্কার পুম্বা লোয়রখ্রবা পাণ্ডুগী মচাশিংন পিতৃশাঙ্গী তুংদা চাগদবা চীঙ্গাক চারগা, মপানিংথৌগী য়ুমদা লৈখিহুনা নোংম নোংমগী হিরমপূম্বদা চাওখৎপা ফংখি ॥১॥ মখোয়না ধৃতরাষ্ট্রনা পোকপা মচিন মনাওশিংগা শান্নমিন্নহনা নুংঙাইনা মতম লেনখি, অদুগা মখোয়না শান্নবা মশাম্ন খুঁবিক্ত অমদি হিরম পূম্বদা হেক হেক থোইরম্মি অমদি মকোক ওই ॥২॥ লমজেল তান্নবদা, পান্দম্নবদা, শেত্তোক-চাথোক্নকপদা, ঊকুল অমদি লৈতুম লংনবদা ভীমসেনতনা মখোয় পূম্নমকপু শুম্মি অমদি মায়থীবা পী ॥৩॥ দুর্য্যোধননচিংবনা শান্নরিবৈদা, ভীমনা কদায়দগীনো খংহৌদনা লাক্ত্না মখোয়শিংগী মন্নুংদগী কয়াবু চণ্ডুনা পুখিহুনা হেক্ত মরোংথি, অদুগা তুংলোমন লাক্ত্না মখোয়শিং অহ অমগা অমগা মকোক শায়হুনা থেংগাইনহল্লি ॥৪॥

শতমেকোত্তরং তেষাং কুমারাণাং মহৌজসাম্। এক এব নিগৃহ্লাতি নাতিকৃচ্ছ্রাদ্বৃকোদরঃ ॥৫॥

কচেষু চ নিগৃহ্যৈতান্ বিনিহত্য বলাদ্বলী। চকর্ষ ক্রোশতো ভূমৌ ঘৃষ্টজানুশিরোংসকান ॥৬॥

দশ বালান্ জলে ক্রীড়ন্ ভুজাভ্যাং পরিগৃহ্য সঃ। আস্তে স্ম সলিলে মগ্নো মৃতকল্পান্ বিমুঞ্চতি ॥৭॥

ফলানি বৃক্ষমারুহ্য প্রচিন্বন্তি চ তে যদা। তদা পাদপ্রহারেণ ভীমঃ কম্পয়তে দ্রুমান্ ॥৮॥

প্রহারবেগাভিহতা দ্রুমা ব্যাঘূর্ণিতাস্ততঃ। সফলাঃ প্রপতন্তি স্ম দ্রুতং ত্রস্তাঃ কুমারকাঃ ॥৯॥

ন তে নিযুদ্ধে ন জবে ন যোগ্যাসু কদাচন। কুমারা উত্তরং চক্রুঃ স্পর্দ্ধমানা বৃকোদরম ॥১০॥

এবং স ধার্তরাষ্ট্রাংশ্চ স্পর্দ্ধমানো বৃকোদরঃ। অপ্রিয়েঽতিষ্ঠদত্যন্তং বাল্যান্ন দ্রোহচেতসা ॥১১॥

ততো বলমতিখ্যাতং ধার্তরাষ্ট্রঃ প্রতাপবান্। ভীমসেনস্য তজ্‌জ্ঞাত্বা দুষ্টং ভাবমদর্শয়ৎ ॥১২॥

তস্য ধর্মাদপেতস্য পাপানি পরিপশ্যতঃ। মোহাদৈশ্বর্য্যলোভাচ্চ পাপা মতিরজায়ত ॥১৩॥

অয়ং বলবতাং শ্রেষ্ঠঃ কুন্তীপুত্রো বৃকোদরঃ। মধ্যমঃ পাণ্ডুপুত্রাণাং নিকৃত্যা স নিগৃহ্যতাম্ ॥১৪॥

প্রাণবান্ বিক্রমী চৈব শৌর্য্যেণ মহতান্বিতঃ। স্পর্দ্ধতে চাপি সহিতানস্মানেকো বৃকোদরঃ ॥১৫॥

ধৃতরাষ্ট্রগী মচা চামবু ভীম মথন্তনা ইলায লাযনা হুমিৎ খুদিং ঙম্মি ॥৫॥ মপাঙ্গল কল্লবা ভীমনা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংবু লৈমায়দা ঈস্থ,ডুনা শ্রোশ্রো লাক্কনা চিংডুনা শাগ্নে, মখোয অদু তৌনিঙাই লৈতহনা কপ্পি, মখোয়গী মথুকউ, মকোক, মরেংবান অদু লৈপাক্ত তকই ॥৬॥ ভীমনা ঈশিংদা ঈরোইডুনা শান্নবা মতমদা পাস্নোম নাম-নামনা মখোয় মঙা-মঙা পায়ডুনা ঈশিংদা ঈবাক্লহল্লি, শিগদোরবা কান্দ হেক হেক থাদোকপি ॥৭॥ অঙাংশিং অদুনা উথক্ত কাহনা উহৈ হেক্লিঙৈ মতমদা ভীমনা উপাম্বী অদুদা মখোংপাক্ক কাথেনা পাম্বী অদু থোক থোক নোমহল্লি ॥৮॥ ভীমনা কাওবদা উপাম্বী অদুনা থোক থোক হাক্টবহদা অঙাশিং অদু উহৈগা-করিগা লোয়ননা উথক্তগী লৈগা তারকই ॥৯॥ অঙাংশিং অদুনা লাক্ক ফানবদা লমজেল তান্নবদা, অতোপ অতোপ্পা মুক্লা শান্নবনচিংবদা অদুত নত্তনা করিগুম্বা [illegible] ভীমবু [illegible] আশাদি শুকত্তৌবু তৌথিদে, অদুনা মখোয়না ভীমবু মখোয় পুম্নমক্কী [illegible] অখোইবা ওইনা লৌখি ॥১০॥ মতৌ অমুক্না ভীমসেননা অঙাং ওইবগী মরুথীংব [illegible] [illegible] অমদি মিথোই মিৎলেনবা অহমক্তনা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা মতম লৈবথিবিক্তা শীংনত্তনা [illegible] লৈ। ভীমনা মখোয়বু কল্লক য়েংথিহনা তৌবা নত্তে, অদুবু ভীমসেন অসি মখোয়গী মক্কমদা হুংশিদবা মীশক অম ওইহনা মরৈখে ॥১১॥ অদুগী মতুংদা ভীমসেনগী মপাঙ্গল কনবগী মিংচৎনা মায়কৈ মরি শন্দোকখে, হায়বসি থংলবদা মতিক মগুণ চাউরবা দুর্য্যোধননা মন্থুং মন্থুংদা ভীমবু মাংনবা শরৌশিনবা হৌখে ॥১২॥ ধর্ম্ম বায়রবা দুর্য্যোধননা কল্লক য়েংথিডুনা অমদি মীগী মরল-মথুম চাউথখপবু মিহৌবনা মপুক্লিংদা, মন্থুং-মথুংদা ভীমগী মাংননবগী মরমদা [illegible] থনবা হৌখে; মতুমক্তনা মাগী থমোইদা পাপকী ৱাথল পোকপা হৌখি ॥১৩॥ মহাক্ক, করি [illegible] হায়বদু কুন্তীগী গর্ভদা পোকপা পাণ্ডুগী মচা য়াইমা ভীম অসি মপাঙ্গল কনবগী মন্থুংদা [illegible] [illegible] হায়বদু ওইখে, মরম অদুনা মহাক অসিবু অক কন্ত থংদে করিগুম্বা উপায় [illegible] [illegible] হৌবা [illegible] ॥১৪॥ মপাঙ্গল কনবা, মহিন লৈরবা অমদি থোইদোক্লা' ইচং থৌরবা ভীম [illegible]

তস্ত সুপ্তং পুরোদ্যানে গঙ্গায়াং প্রক্ষিপামিহ। অথ তস্মাদবরজং জ্যেষ্ঠঞ্চৈব যুধিষ্ঠিরম্।
প্রসহ্য বন্ধনে বদ্ধা প্রশাসিষ্যে বসুন্ধরাম্ ॥১৬॥

এবং স নিশ্চয়ং পাপঃ কৃত্বা দুর্য্যোধনস্তদা। নিত্যমেবান্তরপ্রেক্ষী ভীমস্যাসীন্মহাত্মনঃ ॥১৭॥

ততো জলবিহারার্থং কারয়ামাস ভারত!। চেলকম্বলবেশ্মানি বিচিত্রাণি মহান্তি চ ॥১৮॥

সর্ব্বকামৈঃ সুপূর্ণানি পতাকোচ্ছ্রয়বন্তি চ। তত্র সঞ্জনয়ামাস নানাগবাণ্যকশঃ ॥১৯॥

উদকক্রীড়নং নাম কারয়ামাস ভারত!। প্রমাণকোট্যাং তং দেশং স্থলং কিঞ্চিদুপেত্য হ ॥২০॥

ভক্ষ্যং ভোজ্যঞ্চ পেয়ঞ্চ চোষ্যং লেহ্যমথাপি চ। উপাকৃতং নরৈস্তত্র কুশলৈঃ সূদকর্ম্মণি ॥২১॥

ন্যবেদয়ংস্তৎ পুরুষা ধার্ত্তরাষ্ট্রায় বৈ তদা। ততো দুর্য্যোধনস্তত্র পাণ্ডবানাহ দুর্ম্মতিঃ ॥২২॥

গঙ্গাঞ্চৈবানুযাস্যাম উদ্যানবনশোভিতাম্। সহিতা ভ্রাতরঃ সর্ব্বে জলক্রীড়ামবাপ্নুমঃ।
এবমস্ত্বিতি তঞ্চাপি প্রত্যুবাচ যুধিষ্ঠিরঃ ॥২৩॥

তে রথৈর্নগরাকারৈর্দেশজৈশ্চ গজোত্তমৈঃ। নির্যযুর্নগরাচ্ছূরাঃ কৌরবাঃ পাণ্ডবৈঃ সহ ॥২৪॥

ঐখোয় ইচিন ইনাও পুল্লপপু ভমগে হায়বা ফাওবা নিংলিবনি ॥১৫॥ মবম অদুনা মহাক অসিনা লৈকোলদা তুমদুনা লৈবগুম্বা তাঙ্গাদা মহাকপু গঙ্গাদা হেক থাদখ্রগা লোযরে, অদুগী তুংদা মনাও নিপা অর্জ্জুনগা ময়াম্বা অহল যুধিষ্ঠিরগা অনিধুনা নমদুনা কৈশুম শংদা পুন্দুনা থমগে ॥১৬॥ পুকচেল ফত্রবা পাপকী, মাথন্দা থল্লবা দুর্য্যোধননা মসুং-মসুংদা অসুম লেপ্লবদুনা অহিং নুংথিল মতম লৈবা থিবিক্লা পুকচেল চাউরবা ভীমগী অকোম্বা, ফিবম তাওনা লৈবা তাঙ্গাতা ভাবদুনা থিদুনা লৈখি ॥১৭॥ মহারাজ। পুকচেল ফত্রবা নিপা অসিনা জলকেলিগী (ঈশিংদা শান্নবা) দমক্তা গঙ্গাগী মপান্দা চাউর-চাউরবা, ভোরবা থারবা ফীগী তম্বুর খন্দুনা থম্মনখ্রে ॥১৮॥ তম্বুরশিং অসিগী মসুংদা হেক যেংবদা মিহোবা পোক্লবা ফজ ফজরবা শাননবা অমদি চাননবা পোৎচৈ মখল মখল থম্মি, তম্বুরশিং অদুগী মথক্তা মচু তোংভাম তোংভামব ফিরাল থেক্লুনা থম্মি, অসিদা নত্তুনা মওং তোংভাম তোংভামবা মুম মচা মচা শাদুনা থম্মি ॥১৯॥ গঙ্গাগী তোবর্বান্দা প্রমাণ কোটি কৌবা মফম অদুদা অয়াম্বনা ঈশিংনক্লা থরনা করাল লোমনা তম্বুরশিং অদু খন্দুনা থম্লি-বনি, মথোয়গী মমিং "উদকক্রীড়ন" হায়রদি "ঈশিংদা শান্নফম" মুম হায়না মমিং থোন্দুনা ইডুনা য়াম্দুনা থম্মি ॥২০॥ মাদুদা খোং-থাকপ কৈরবা মীশিংনা শাথত্তনা, থক্তুনা, লেক্তুনা, য়োত্তুনা চাক্কা হাওরবা অচাপোৎ মখল মরি থেন্দুনা থমখি ॥২১॥ মাদুম তৌনা শেম শারিবা নিংথৌ মন্নাইশিংনা থবক পুম্নমক অদু লোয়রবদা লোইয়ে হায়না দুর্য্যোধনদা তাক্লে। অদুগী তুংদা পুকচেল ফত্রবা দুর্য্যোধননা পাণ্ডব মনাগী মকমদা অসুম হায়খি ॥২২॥ "ইচিন ইনাওশিং, ঐখোয় ইচিন ইনাও পুম্নমক পুল্লা লৈকোল লৈকোল্লা লৈরেংবা গঙ্গা মপান্দা কোয়রসি, ঈশিংদা ইরোয়দুনা শান্নসি, অমদা চাক চানসি"। মাসি তাবদা যুধিষ্ঠিরনা যুধিষ্ঠিরনা "য়াম্ন ফয়ে" অসুম হায়না খুমখি ॥২৩॥ অদুগা মীদি কৌরবশিংগা পাণ্ডবশিংগা পুল্লা চাউর চাউরবা শগোল, সামু, নিংথিনা

উদ্যানবনমাসাদ্য বিসৃজ্য চ মহাজনম্। বিশন্তি স্ম তদা বীরাঃ সিংহা ইব গিরেগুহাম্ ॥২৫॥
উদ্যানমভিপশ্যন্তো ভ্রাতরঃ সর্ব এব তে। উপস্থানগৃহৈঃ শুভ্রৈর্বলভীভিশ্চ শোভিতম্ ॥২৬॥
গবাক্ষকৈস্তথা জালৈর্যন্ত্রৈঃ সাঞ্চারিকৈরপি। সম্মার্জিতং সৌধকারৈশ্চিত্রকারৈশ্চ চিত্রিতম্ ॥২৭॥
দীর্ঘিকাভিশ্চ পূর্ণাভিস্তথা পুষ্করিণীষু চ। জলং তচ্ছুশুভে চ্ছন্নং ফুল্লৈর্জলরুহৈস্তদা।
উপচ্ছন্না বসুমতী তথা পুষ্পৈর্যথর্তুকৈঃ ॥২৮॥
তত্রোপবিষ্টাস্তে সর্বে পাণ্ডবাঃ কৌরবাশ্চ হ। উপপন্নান বহূন্ কামাংস্তে ভুঞ্জন্তি ততস্ততঃ ॥২৯॥
অথোদ্যানবরে তস্মিংস্তথা ক্রীড়াগতাশ্চ তে। পরস্পরস্য বক্ত্রেভ্যো দদুর্ভক্ষ্যাংস্ততস্ততঃ ॥৩০॥
ততো দুর্যোধনঃ পাপস্তদ্ভক্ষ্যে কালকূটকম। বিষং প্রক্ষেপয়ামাস ভীমসেনজিঘাংসয়া ॥৩১॥
স্বয়মুত্থায় বৈ চাথ হৃদয়েন ক্ষুরোপমঃ। স বাচাঽমৃতকল্পাঽথ ভ্রাতৃবচ্চ সুহৃদ্যথা ॥৩২॥
স্বয়ং প্রক্ষিপতে ভক্ষ্যং বক্ত্রে ভীমস্য পাপকৃৎ। প্রতীচ্ছিতঞ্চ ভীমন তং বৈ দোষমজানতা ॥৩৩॥
ততো দুর্যোধনস্তত্র হৃদয়েন হসন্নিব। কৃতকৃত্যমিবাত্মানং মন্যতে পুরুষাধমঃ ॥৩৪॥

লৈতেংলবা রথ খিবিক্তা তোংলগনা কোম্নুংদগী থোবক্রে ॥২৪॥ ভীষ্মনাচিংবা অহল লম্মলশিং তাক্লমদনা অমদি হৌরমদনা মপানগী অচীকপা হৈকোল লৈকোল অদুদা চৎখিদুনা, চীংগী লোকম্নুংদা নোংশা মচা মচানা তুমিন তুমিন চংখিবগুম নিংথৌ মচাশিং অদুনা তম্মুর মম্নুং মন্নুংদা চংখি। অদুদগী ভুহাক লৈরগা মথোয় পূন্নমক থোরকমিন্নদুনা বন উপবন কয়াগী ফজরবা দৃশ্যবু কোয়চৎ চদুনা য়েংখি। ভৌর ভৌরবা ফুরা দোলান কযা, খিরকী মিন্থৎপোং ফাংলবা ফজ ফজরবা মিতিনফম মুম পরেং পরেং উখি, ফজ ফজরবা যুমশিং অদুগী মমাংদা ঈশিং পেরে কাপ্নবা জলযন্ত্র কয়া কযানা তোংঙান তোংঙানবা মওংদা ঈশিংপেরে মরি চাইন চাইনা লৈগনা লৈরি, রাজ মিস্ত্রিশিংনা তক-তক্লনা শেম শাত্তনা থম্মি, লাইযেকপা হৈবাশিংনা ফজ-ফজবা লাইগী মূর্ত্তি অমদি তাল্লবা দৃশ্য কয়া য়েক্কনা থম্মি ॥২৫—২৭॥ লুরবা ঈশিংনা থল্লবা, মরাক মম্নুং মান্নবা মান্নদবা পুখ্রীং মথল মথল কয়া লৈরম্মি; ঈশিং অদুস্থ পোমবোম্না অমদি মকাফম্না শাৎলবা থরো থম্বাম্না নিংথিজৈ, অদগা পৃথ্রীগী মপান্দা শাংলবা নাপীনা থল্লবা লমদম অদুবু ঋতুগী মথল মথা অযাম্বা লৈশিংনা কুপশিল্লমই ॥২৮॥ অদুগুম্বা লৈকোন্দা ফমথনা কৌরব অমদি পাণ্ডবশিংনা ফজবা পূন্নমক অসি য়েংন্দি মীনাই মীশলনা পুশিল্ল-কপা ছাওর হংওরবা অচা অথক কয়া য়াম্না নুংঙায়না চারি ॥২৯। অদুগী মতুংদা নিংথিজরবা লৈকোল অদুদা চোং-যন্দুনা শাগৈ, কোযতান তাগৈ, অমনা অমদগী মুন্দুনা চাগৈ, মচিন মচিন্দা ইগৈ ॥৩০॥ অদুগী মতুংদা থমোইদি থৌরবা থাংগী ময়াগুম থৌরবা, চিনবানথোংদা ভাংবা মাহৈনা অমৃতগুম থুমহল্লবা, পাপনা থল্লবা থমোইনা মাগী ওইরবা দুর্যোধননা ভীমসেনবু হাৎকে হায়না থল্লহনা চান্নরবা মচিন মনাও অমদি মরূপ মপাংদা তৌবগুম মশামক্লা হৌগদুনা মথুৎমক্লা পীজনিংনা হাপপগী মতৌগুম ভীমগী চাকলুক্তা অহাও অথুম মরক্তা কালকূট হু হাপচিনখি ॥৩১—৩২॥ অদুগী মতুংদা শাপ চেল্লবা দুর্যোধননা নুংঙায়দুনা অমদি নুংশিনবগী মতৌগুম হু হাপ্না অচাপোৎ অদু ভীমগী মরাম্না ইল্লি, ভীমন্ত থংদবনা হরাও হরাওনা লৌদুনা চাখি ॥৩৩॥ অসিগী মতুংদা তোল্লবা দুর্যোধননা

ততস্তে সহিতাঃ সর্ব্বে জলক্রীড়ামকুর্বত। পাণ্ডবা ধার্ত্তরাষ্ট্রাশ্চ তদা মুদিতমানসাঃ ॥৩৫॥
ক্রীড়াবসানে তে সর্বে শুচিবস্ত্রাঃ স্বলঙ্কৃতা। দিবসান্তে পরিশ্রান্তা বিহৃত্য চ কুরূদ্বহাঃ ॥৩৬॥
বিহারাবসথেষ্বেব বীরা বাসমরোচয়ন্। খিন্নস্তু বলবান্ ভীমো ব্যায়ম্যাভ্যধিকং তদা ॥৩৭॥
বাহয়িত্বা কুমারাংস্তান্ জলক্রীড়াগতাংস্তদা। প্রমাণকোট্যাং বাসার্থী সুষ্বাপাবাপ্য তৎ স্থলম্ ॥৩৮॥
শীতং বাতং সমাসাদ্য শ্রান্তো মদবিমোহিতঃ। বিষেণ চ পরীতাঙ্গো নিশ্চেষ্ট পাণ্ডুনন্দন ॥৩৯॥
ততো বদ্ধা লতাপাশৈর্ভীমং দুর্য্যোধন স্বয়ম। মৃতকল্পং তদা বীরং স্থলাজ্জলমপাতয়ৎ ॥৪০॥
স নিঃসংজ্ঞো জলস্যান্তরথ বৈ পাণ্ডবাহবিশৎ। আক্রামন্নাগভবনে তদা নাগকুমারকান্ ॥৪১॥
তত সমেত্য বহুভিস্তদা নাগৈর্মহাবিষৈ। অদশ্যন্ত ভৃশং ভীমো মহাদংষ্ট্রৈর্বিষোল্বণৈ ॥৪২॥
ততোহস্য দশ্যমানস্য তদ্বিষং কালকূটকম্। হতং সর্পবিষেণৈব স্থাবরং জঙ্গমেন তু ॥৪৩॥
দংষ্ট্রাস্তু দষ্ট্রিণাং তেষাং মর্ম্মস্বপি নিপাতিতা। ত্বচং নৈবাস্য বিভিদু সারত্বাৎ পৃথুবক্ষস ॥৪৪॥
তত প্রবুদ্ধ কৌন্তেয় সর্বং সচ্ছিদ্য বন্ধনম্। পোথয়ামাস তান্ সর্ব্বান্ কেচিদ্ভীতা প্রদুদ্রুবু ॥৪৫॥
হতাবশেষা ভীমেন সর্পা বাসুকিমভ্যযু। উচুশ্চ সর্ব্বে রাজানং বাসুকিং বাসবোপমম্ ॥৪৬॥

শিল্লিবা শরো অদু মহৈ যাল্লে থন্দুনা য়াম্না মুংডাইখি ॥৩৪॥ অদুগী তুংদা, পাণ্ডুগী মচাশিংনা অমদি ধৃতরাষ্ট্রগী মচা চামদুগা তিন্নদুনা য়াম্না মুংঙাইনা ঈশিংদা চোংথদুনা ইবোয়দুনা শান্নখি ॥৩৫॥ ঈশিংদা শান্নবদা ব্বারবা কুরুবংশগী নিংথৌ মচাশিং অদুনা ঈশিংদা শান্নবা লোইরবা তুংদা নিংথিজরবা তক তকরা মফি হোংদুনা, মথল মথা অয়াম্বা ফিজোম্না লৈতেংলদুনা অহিং অদুমা শান্নবগী য়ুমশিং অদুদা লৈগে হায়না নিংখি। অদুগা মপাঙ্গল কল্লবা ভীমসেনমু খাইদগী হেন্না চোংফদুনা শান্নরুবনা, থোইদোক্না চোকথরদুনা লৈরাবদা কাথৎলকই, প্রমাণকোটী কৌবা লম অদুগী করিগুম্বা অটীকপা মফম অমদা পোথাক্লগে থন্দুনা চৎখি, দুগী ময়াই অদুনা মগং মথং কাথৎলক্লুনা থোইদোক্না চোকথখিদুনা অমদি অইংবা মুংশিংনা য়ৈবা অদুদা ইগুম গুঙ্খৎখিদুনা, অশিবগী পাংথককুম মথোং মথুৎ ইরেং লেংদনা তুমথুল হুন্দুনা তুমখ্রে ॥৩৬—৩৯॥ অদুগী তুংদা, দুর্য্যোধননা মথন্তা নারোন্দা চৎখিদুনা ভীমসেনবু উরী ব্বারিনা ক্রক-ক্রক কাক্সিন্দুনা কংফাল অদুদগী ঈশিংদা লংথখরে ॥৪০॥ জ্ঞান তাত্রবা ভীমসেননা ঈশিং মনুংদা মশাগী হকচাংগী অন্নম্বনা ঈশিংদা শান্নরম্বা নাগ লোককী অঙাংশিংবু নৈথায়রক্লুনা অম্বাবা পীন পীনা নাগলোককী মতুংদা ময়া থৌরবা, মদু কল্লবা অমদি থুনা দু কাগল্লবা লিল পুন্নমক্না ভীমগী মশা পূময়োম য়োমদুনা চীকপা হৌরক্লে ॥৪২॥ লিলশিংনা ভীমবু চীকপা অদুদা অহিংবা জীবনা চীকপগী দুজংৎ হন্দা চেনবা দু অদুনা লেংত্রবা অশিবা কালকূট কৌবা দু অদুবু চেম্থখিদুনা মাংহনখ্রে ॥৪৩॥ লিলশিং অদুনা তুম্নবা থৌরবা ময়াশিং অদুবু ভীমগী মশাদা চংহনগদোবগী কন্না হোৎনরমই অদুবু মথবাক কল্লবা ভীমসেনগী মউলনা থামদখিবনা ময়াশিং অদু থিংজিনবা ঙমখিদে ॥৪৪॥ অদুগী মতুংদা ভীমনা জ্ঞান তারক্লুনা, পুল্লিবা পুন্নমকতু থদত্তুনা লিল ময়াম অদু মথোংপাক্না নেথৎখি; লিল অয়াম্বা ভীমবু উবদা কিদুনা চেনখি ॥৪৫॥ ভীমনা হাৎখিবগী লেমহৌবা লিলশিং অদুনা বাসুকিগী মনাক তাম্না চৎখিদুনা ইন্দ্রগা

অয়ং নরো বৈ রাজেন্দ্র! অপ্সু বদ্ধা প্রবেশিতঃ। যথা চ নো মহাবীর! বিবর্দ্ধিতো ভবিষ্যতি ॥৪৭॥
নিশ্চেষ্টোঽস্মানমুপ্রাপ্ত স চ দষ্টোঽপ্যবুধ্যত। সসংজ্ঞশ্চাপি সংবৃত্তশ্ছিত্বা বন্ধনমাত্মনঃ ॥৪৮॥
পোথয়ন্তং মহাবাহুং তং বৈ জ্ঞাতুমর্হসি। ততো বাসুকিরভ্যেত্য নাগৈরনুগতস্তদা ॥৪৯॥
পশ্যতি স্ম মহাবাহুং ভীমং ভীমপরাক্রমম্। আর্য্যকেণ চ দৃষ্টঃ স পৃথায়া আর্য্যকেণ চ ॥৫০॥
তদা দৌহিত্রদৌহিত্রঃ পরিষ্বক্তঃ সুপীড়িতম্। সুপ্রীতশ্চাভবত্তস্য বাসুকিঃ স মহাযশাঃ ॥৫১॥
অব্রবীত্তং নাগেন্দ্র কিমস্য ক্রিয়তাং প্রিয়ম্। ধনৌঘো রত্ননিচয়ো বসু চাস্য প্রদীয়তাম্ ॥৫২॥
এবমুক্তস্তদা নাগো বাসুকিং প্রত্যভাষত। যদি নাগেন্দ্র! তুষ্টোঽসি কিমস্য ধনসঞ্চয়ৈঃ ॥৫৩॥
রসং পিবেৎ কুমারোঽয়ং ত্বয়ি প্রীতে মহাবল। বলং নাগসহস্রস্য যস্মিন্ কুণ্ডে প্রতিষ্ঠিতম্ ॥৫৪॥
যাবৎ পিবতি বালোঽয়ং তাবদস্মৈ প্রদীয়তাম্। এবমস্ত্বিতি তং নাগং বাসুকিঃ প্রত্যভাষত ॥৫৫॥
ততো ভীমস্তদা নাগৈঃ কৃতস্বস্ত্যয়নঃ শুচিঃ। প্রাঙ্মুখশ্চোপবিষ্টশ্চ রসং পিবতি পাণ্ডবঃ ॥৫৬॥
একোচ্ছ্বাসাত্ততঃ কুণ্ডং পিবতি স্ম মহাবলঃ। এবমষ্টৌ স কুণ্ডানি হ্যপিবৎ পাণ্ডুনন্দনঃ ॥৫৭॥

মান্নরবা বাসুকিগী মফমদা তম্মুবে ॥৪৬। 'মহারাজ! আদগী নিপা অসি হু থকউরমাল্লে, অহুদা কনাগুম্ব অমনা মথোং মখুৎ পুনশিন্দুনা ঈশিংদা থাজরক মাল্লে ॥৪৭॥ মরমদি মানা ঐখোয়গী ঈনাক্ত লাকপহ জ্ঞান য়াওরমদে; ঐখোয়না মহাকপু চীকউবা মতমদা জ্ঞান তারকই, জ্ঞান তারক্লবদা অফা অপুনবা ময়ামতু মহাক্না থদচ্চে ॥৪৮॥ লিল পুম্নমকপু নৈহৎপা ঙম্বা পাঙ্গল চাওরবা নিপা অসিবু কনানো, মাগী পরিচয় অমুক্ত হংবিয়ু মহারাজ।" বা অসু তাবদা লিল নিংথৌ বাসুকিনা লিল পুম্নমক অহুগা লোয়ননা চংশিল্লক্লনা অকিবগী মশক ফংন কল্লবা ভীমসেনবু মুন্না য়েংব হৌরকই। অহুগী মতুংদা মীশক খংলক্লহনা পকচেল ফজরবা লিস নিংথৌ বাসুকিনা মাগী মচানুপীনা পোকপা কুন্তিভোজ শূরগী মচানুপীনা পোকপা মশু ভীমবু উবদ চংশিল্লক্লন চেৎনা কোল্লি, ভীমবু হন্ন হন্না য়েংদুনা য়াম্না পেনখি অমদি নুংঙাইখি ॥৪৯—৫১॥

বাসুকিনা পাও পুরক্লিব লিলদা হায়খি—মাঙোন্দা করি পীশিগে হাবয়ু। শনা-লুপা মণি মুক্তা পীশিরা হায়য়ু ॥৫২॥ বাসুকিনা অসুম হায়রবদ লিল অতুনা হায়খি—মহারাজনা পেনবিরবদি মঙোন্দা মণি-মুক্তা লল-খুম পীবিরুদুনা করি কান্নগদগে? ॥৫৩॥ মহারাজনা কল্লবা নিপা অসিবু পেনখিরবদি, নুংশিবিরবদি অমৃতগা মান্নরবা রস অতু থকহনবিয়ু; হেক থকপদা শামু লিশিং অমগী পাঙ্গল কনবা ঙম্বা গুণ অহ রসগী কুণ্ড অসিদা হাপথ্রবনি ॥৫৪॥ নিপা পাথং মচা অসিনা হেক থকপা ঙম্বা মথৈ থকহনবিখো। অদু তাবদা বাসুকিনা "ফরে মাত্রমক তৌবা ভাই" অসুম হায়খি ॥৫৫॥ অহুগী তুংদা লিল নিংথৌ বাসুকিগী য়াথং মতুংইন্না লিললিং অহনা ভীমবু শুধিহনা মসায়নগী কুণ্ড অহ উহল্লি অতুগা থকউচো হায়না ঈঙ্গিৎ তৌই, অহদগীদি ভীমনু কুণ্ড মরাদা চংশিনখিদুনা মমায় লোংলোক ওয়া কমথখিদুনা অমৃত অতু থকপা হৌখি ॥৫৬॥ মপাঙ্গল কল্লবা ভীমসেননা নুংশাখর অমুমুক হোজিনবদা অমৃত চরু অমমম লোইন লোইনা থকচিল্লি। মতৌ অহুমনা ভীমনা ভাইহাকতগা অমৃত পীক-পীক থন্ন হাম্না চরু নিপাল থকতোকখে ॥৫৭॥

ততস্ত শয়নে দিব্যে নাগদত্তে মহাভুজঃ। অশেত ভীমসেনস্তু যথাসুখমরিন্দম ।। ৫৮।।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

ভীমসেনরসপানং নাম ত্রয়োবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায় ।।৩।।

—:*:—

অহুদগীদি মহারাজ। ভীমসেন অহু নিল যয়ামনা পীগিবা নীংথিজরবা কমুং অহুদা সুংজাইনা তুমখি ।।৫৮।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেৎবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবদা ভীমসেনরসপান কৌবা চামকুনহুমদোই শুবা অধ্যায় লোইরে ।।০।।

—(০)—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে ভীমপ্রত্যাগমনং নামঃ।

(মীরোল-নিংখোরোল পোকপগী মতাংদা ভীমপ্রত্যাগমনগী ৱারী)

(চাম কুনমরি শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততস্তে কৌরবা সর্ব্বে বিনা ভীমঞ্চ পাণ্ডবা। বৃত্তক্রীড়াবিহারাস্তু প্রতস্থুর্গজসাহ্বয়ম্ ।।১।।

রথৈর্গজৈস্তথা চাশ্বৈর্যানৈশ্চান্যৈরনেকশ। ব্রুবন্তো ভীমসেনস্তু যাতো হ্যগ্রত এব নঃ ।।২।।

ততো দুর্য্যোধন পাপস্তত্রাপশ্যন্ বৃকোদরম্। ভ্রাতৃভি সহিতো হৃষ্টা নগরং প্রবিবেশ হ ।।৩।।

যুধিষ্ঠিরস্তু ধর্ম্মাত্মা হ্যবিদন্ পাপমাত্মনি। স্বেনানুমানেন পরং সাধু সমনুপশ্যতি ।।৪।।

সোঽভ্যুপেত্য তদা পার্থো মাতরং ভ্রাতৃবৎসলঃ। অভিবাদ্যাব্রবীৎ কুন্তীম্ অম্ব! ভীম ইহাগত ? ।।৫।।

বৈশম্পায়ননা [illegible] কোয়বা [illegible] কৌরব পাণ্ডব অডাং [illegible] ভীম [illegible] "ভীমদি [illegible]" অসুম হায়না হায়না রথ, [illegible] ।১—২।। অদুগী তুংদা [illegible] লোয়ননা কোয়ুং [illegible] পাপকী থবক [illegible] পুরমকপুন্ন সাধু ওইনা [illegible] মনাও সুংশিজরবা

ক গতো ভবিতা মাত ! নেহ পশ্যামি তং শুভে ! । উদ্যানানি বনঞ্চৈব বিচিতানি সমন্ততঃ ॥৬॥
তদর্থং ন চ তং বীরং দৃষ্টবন্তো বৃকোদরম্ । মন্যমানাস্ততঃ সর্বে যাতো নঃ পূর্বমেব স ॥৭॥
আগতাঃ স্ম মহাভাগে ! ব্যাকুলেনান্তরাত্মনা । ইহাগমা ক নু গতস্ত্বয়া বা প্রেষিতঃ ক নু ॥৮॥
কথয়স্ব মহাবাহুং ভীমসেনং যশস্বিনি ! । নহি মে শুধ্যতে ভাবস্তং বীরং প্রতি শোভনে ! ।
যতঃ প্রসুপ্তং মন্যেঽহং ভীমং নেতি হতস্তু সঃ ॥৯॥
ইত্যুক্তা চ ততঃ কুন্তী ধর্মরাজেন ধীমতা । হা হেতি কৃত্বা সম্ভ্রান্তা প্রত্যুবাচ যুধিষ্ঠিরম্ ॥ ১০ ॥
ন পুত্র ! ভীমং পশ্যামি ন মামভ্যত্যগাবিতি । শীঘ্রমন্বেষণে যত্নং কুরু তস্যানুজৈঃ সহ ॥১১॥
ইত্যুক্ত্বা তনয়ং জ্যেষ্ঠং হৃদয়েন বিদূয়তা । ক্ষত্তারমানায্য তদা কুন্তী বচনমব্রবীৎ ॥১২॥
ক গতো ভগবন ! ক্ষত্তঃ ! ভীমসেনো ন দৃশ্যতে । উদ্যানান্নির্গতাঃ সর্ব্বে ভ্রাতরো ভ্রাতৃভিঃ সহ ॥১৩॥
তত্রৈকস্তু মহাবাহুর্ভীমো নাভ্যেতি মামিহ । ক্রুতং গত্বা পুরোদ্যানং চিন্বন্তু সহ পাণ্ডবৈঃ ॥১৪॥
তে তত্র গত্বা ত্বরিতা ভীমেত্যুচ্চৈরুদৈরয়ন্ । বিচিন্বন্তো বনং সর্ব্বং ন তেঽপশ্যন্ত তং জনাঃ ॥১৫॥
আগম্য নগরং ভূয় ইদমূচুঃ পৃথাং তদা । ন দৃশ্যতে মহাবাহুরয়! ভীমো মহাবলঃ ॥১৬॥
কুন্ত্যুবাচ ।
ন চ প্রীণয়তে চক্ষুঃ সদা দুর্যোধনস্য স । ক্রূরোঽসৌ দুর্মতিঃ ক্ষুদ্রো রাজ্যলুব্ধোঽনপত্রপঃ ॥১৭॥

যুধিষ্ঠিরনা মমা কুন্তীগী মফমদা থুনা য়াংনা চংশিনখিদ্রনা অস্নুম হায়না হংখি— "ইমা ! ভীমবু লাকত্রিব্রা ? ইমা ! ভীমবুনে ! মা উদেনা ! বনগী মফম পুম্নমক্ত হৈকোল লৈকোল পুম্নমক্তা কোয়থি থিকরবনি ! " ॥৫—৬॥ ভীমগী মপোৎ মচে অমদি মশামকস্নু মফম অদুদা করিমতা উবা ফংদ্রে ; ঐখোয় তাব্রমদনা মানা হান্না চৎখ্রমাল্লে খল্লুরে ॥৭॥ অদুনা থম্বাই য়ান্না ব্বানা লাক্লবনি। ইমা ! ভীমবু অসিদা লাব্রম্নগা বদায়দা অমুক চৎখ্রবগে ! ইমানা করিগুম্বা মফম অমদা পাথোন শিখি লাকখিবা য়াওব্রা ? ॥৮॥ ইমা ! ভীমবু কমদৌখ্রবগে হায়বিয় ; ভীমগী মপাউ তাব্রিবা মথৈ ঐগী পুক্লিং অসি ব্বাইশংবা হায়বা লৈখিদরে, মরম অমনা করিগুম্বা মফমদা তুমহনা লৈখিবরা হায়বস্নু খোইনা খল্লুবা লৈতে ; নিংস্নু নিংশিংদে , মাবু কনাগুম্বনা মাংনবা তৌখ্রবরা হায়না ঐনা খল্লি ॥৯॥ জ্ঞান লৈরবা যুধিষ্ঠিরনা ব্বাসি হায়রকপদা "হাই—হাই ! ওম্বোকপনি, করিনো হায়রিব ব্বা অসিবো ! " অস্নুম হায়না কুন্তীনা ইপা পাখন্তুনা পোথাকম খংদনা স্নুংশা মপী হোন্দুনা যুধিষ্ঠিরদা হায়খি ॥১০॥ ইবুংঙো ! ইমাদি ভীমবুদি উদেনা ! অসিদা লাক্লম্বম্ন লৈতে ! অদুনা চৎলু ইবুংঙো, ননাওশিং পুদুনা হৌজিকমক ভীমবু থীরক্লবা য়াদে ॥১১॥ যুধিষ্ঠিরদা ব্বা অসি হায়রম্নগা কুন্তীস্নু মপুক্লিং তয়াং তশোয়না বিদুর থাদুনা কৌহল্লুরগা ব্বা অসি হায়খি ॥১২॥ শীংলবা বিদুর ! নংগী পুক্লিংনা করি খল্লি ? ভীমনা চৎখিবসি কদায়দনো ? অতৈ পুম্নমক্তি হলক্লবদা মাদদি উদ্রে । মচিন মনাওশিংগা লোয়ননা শাম্নবনি হায়দুনা চৎখিবনি ॥১৩॥ অদুবু হল্লকপা মতমদদি ভীম নত্তনা অতৈদি অমনা লাক্লে । অহনা অঙাংশিং অসিগা লোয়ননা মাখোয়না শাম্নরুবা বনাশিং অদুদা অমুক্তা থিবিক্ল ॥১৪॥ অত্তাগীদি মখোয়স্নু থুনা য়াংনা চৎখিদুনা খোঞ্জেল ব্বাংন ভীম ! ভীম ! হায়না কৌদুনা বনগী য়ায়কৈ মরিমক্তা কোইথি থিখি ; অদুম ওইনমক ভীমবু থিবা ঙমংখিদরে ॥১৫॥ অদুনা অমুক হন্নক্ত্না কুন্তীদা তমলৈ ইমা ! মপাঙ্গল চাউরবা ভীমদো থিবা থংদ্রে ॥১৬॥ কুন্তীনা হায়খি—

নিহন্তাদপি তং বীরং জাতমন্যুঃ সুযোধনঃ। তেন মে ব্যাকুলং চিত্তং হৃদয়ং দহ্যতীব চ ॥১৮॥

বিদুর উবাচ।

মৈবং বদস্ব কল্যানি! শেষসংরক্ষণং কুরু। প্রত্যাদিষ্টো হি দুষ্টাত্মা শেষেঽপি প্রহরেত্তব ॥১৯॥

দীর্ঘায়ুষস্তব সুতা যথোবাচ মহামুনিঃ। আগমিষ্যতি তে পুত্রঃ প্রীতিঞ্চোৎপাদয়িষ্যতি ॥২০॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্ত্বা যযৌ বিদ্বান্ বিদুরঃ স্বং নিবেশনম্। কুন্তী চিন্তাপরা ভূত্বা সহাসীনা সুতৈর্গৃহে ॥২১॥

ততোঽষ্টমে তু দিবসে প্রত্যবুধ্যত পাণ্ডবঃ। তস্মিংস্তথা রসে জীর্ণে সোঽপ্রমেয়বলো বলী ॥২২॥

তং দৃষ্ট্বা প্রতিবুদ্ধন্তু পাণ্ডবং তে ভুজঙ্গমাঃ। সান্ত্বয়ামাসুরব্যগ্রা বচনঞ্চেদমব্রুবন্ ॥২৩॥

যত্তে পীতো মহাবাহো! রসোঽয়ং বীর্য্যসম্ভৃতঃ। তস্মান্নাগাযুতবলো রণেঽধৃষ্যো ভবিষ্যসি ॥২৪॥

গচ্ছাদ্য স্বগৃহং স্নাতো দিব্যৈরেভিঃ শুভৈর্জলৈঃ। ভ্রাতরস্তেঽনুতপ্যন্তে ত্বাং বিনা কুরুপুঙ্গব! ॥২৫॥

ততঃ স্নাতো মহাবাহুঃ শুচি শুক্লাম্বরস্রজ। ততো নাগস্য ভবনে কৃতকৌতুকমঙ্গলঃ ॥২৬॥

ইচা ভীমদো করিগুম্বা মতমদা করিগুম্বা হিরমদা দুর্য্যোধনগী মখিত্তা শুঙাইফম ইথোক থোক্তবনি, মরমদি, দুর্য্যোধন হায়বসে মপুকচেল ফত্তবনি, অতোনবা ৱাথন্দা খনবনি, লৈবাক পাম্বনি অমদি ইকাযবা নাইদব মীনি ॥১৭॥ অদুনা যত্রবা দুর্য্যোধন অদুনা শাউহনা ইচাবু হাৎখ্রবা করিনো অহস্ত খংত্রে অহস্ত ওইবযাই। ঐ য়াম্না ৱারে, থমোই অসি চিংনবগী মৈনা চাক্লে ॥১৮॥ বিদুরনা হাযখি— মঙ্গলগী মশক ওইরবী! ৱা অসি হাক্লা হৌনা কাহেন্না ঙাংথোকপিগন্থু, খর খর থাক্লা ঙাংবিযু। চৈরগ, যক্তবা মীদি, অহোইনত্তুম অমুক হেন্না মাংনবা তৌরকপা যাই ॥১৯॥ মহর্ষি বেদ ব্যাসনা লোইনা মমাংঙৈদা হায়খ্রবনি, নচাশিং অসে যামনা কুইনা পুন্সিগদৌরিবনি। অদুনা নচা ভীমদো শোযদনা হল্লক খিগনি, শুঙাইবা পাউত্তুম তম্লহনা হেন্নত্তুম শুংঙাইবা পিরখিগনি ॥২০॥

বৈশম্পায়ননা হাযখি— জ্ঞান লৈরবা বিদুরনা ৱা অসি হাযরম্লগা মযুমদা চংখি, অসোমদা কুন্তীস্থ য়াম্না লাংতক্লনা ভীম লাকপ্রা হায়দুনা মচাশিংগা লোয়ননা ঙাইদুনা লৈখি ॥২১॥ অদুগী মতুংদা, নিপাম্নিগুবা শুমিত্তা আসোমদা অমৃত থক্লগা তুম্মবগী ভীম মিকপ থোকখি, অদুগা মানা থকখিব্রা রস অদু তুমখ্রবা তুংদা মহৌশানা মপাঙ্গল কণ্ডরবস্থু মতুং অসিদদি অতোপ্পা অমগা চাংদমনিংঙাই লৈতনা মপাঙ্গল কনখি ॥২২॥ মানা মিকপ থোক্লুনা হোৌগৎলকপা অদু উবদা লিল পুম্নমক্লা চনিং তানা থোকখিব্রা থৌদোকশিং অদু তমহনা ৱা অসি হায়খি ॥২৩॥ ভীম! হেক থকপদা মিথোই মীহেনবা পাঙ্গল পীব ওব্রবা অমৃতদু নং থকখ্রবনি, হৌজিক্তি নং শামু লিশিং তরাগী পাঙ্গল কল্লবনিকো অমস্তুং লানকমদা নংবু কনা অমত্তনা মায়থিবা পিবা তম্নরোয় ॥২৪॥ অদুনা নং হৌজিক, মীচম অমনা যংত্রবা, মঙ্গোলগী মশক ওইরবা ঈশিংদা স্নান তৌথোক্লগা নয়ুমদা হনখ্রো। মরমদি, নংবু কায়নবনা নয়ুমদা নংবু শোকপা মযামা অমসুং নচিমনাওশিংনা ঙুমফম চাকম খংনা য়াম্না ৱানা লাংতক্লনা লৈরি ॥২৫॥ অদুগী মতুংদা ভীমসেননা শেংলবা ঈশিংদা স্নান তৌথোক্লুনা মশাঙ্গু অপোং অপোংনা থয়লে অমসুং তৌরবা ফিজোল শেংচিল্লি অহগা মত্তকশমদা লৈগী পরেং

ওষধীভির্বিষঘ্নীভিঃ [illegible] । [illegible] পন্নগাশ্চ [illegible] মহাবলঃ ॥২৭॥
পূজিতো ভুজগৈবীর আশীর্ভিশ্চাভিনন্দিতঃ । [illegible] নাগানামন্ত্র্য পাণ্ডবঃ ॥২৮॥
উদতিষ্ঠৎ [illegible] । [illegible] নাগৈর্ম [illegible] ॥২৯॥
তস্মিন্নেব [illegible] । তে [illegible] পাণ্ডবৈব [illegible] ॥৩০॥
তত উত্থায় কৌন্তেয়ো ভীমসেনো মহাবলঃ । [illegible] মহাবাহুর্মাতুরন্তিকমঞ্জসা ॥ ৩১॥
[illegible] জননীং জ্যেষ্ঠং [illegible] চ । কনীয়সঃ সমাঘ্রায় শিরঃস্বরিবিমর্দনঃ ॥ ৩২ ॥
তৈশ্চাপি [illegible] সহ মাত্রা [illegible] । অন্যোন্যগতসৌহার্দাদ্দিষ্ট্যা দিষ্ট্যেতি চাব্রুবন্ ॥ ৩৩ ॥
ততস্তৎ সর্বমাচষ্ট [illegible] । ভ্রাতৄণাং ভীমসেনস্ত মহাবলপরাক্রমঃ ॥ ৩৪ ॥
নাগলোকে চ [illegible] । তচ্চ সর্বমশেষেণ কথয়ামাস পাণ্ডবঃ ॥৩৫॥
ততো যুধিষ্ঠিরো রাজা ভীমমাহ [illegible] । তূষ্ণীং ভব ন তে জল্প্যমিদং কার্যং [illegible] ॥৩৬॥
ইতঃ প্রভৃতি কৌন্তেয়া [illegible] । এবমুক্ত্বা মহাবাহুর্ধর্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ ॥৩৭॥

শিজিল্লে, [illegible] তুংদা নাগ লোক [illegible] লৈরিবা [illegible] পুজমক্লা [illegible] কুপ্তনা ভীমবু [illegible] যাত্রাগী [illegible] তৌখি ; [illegible] কুবু [illegible] [illegible] মনম [illegible] হিনাক্কা লোয়নবা লিলশিংনা পীরিবা [illegible] চায়ে ॥২৬—২৭॥ [illegible] মতুংদা লিলশিংনা [illegible] তরাম তরাম্না আশীর্বাদ [illegible] ভীমবু [illegible] অমমুং [illegible] কিজেং লৈতেং পীখি, ভীমনা [illegible] বিদায় লৌরনা [illegible] নাগলোকতগী যাত্রা তৌরক্লে, [illegible] মহাকপু [illegible] থাংগৎখি ॥২৮—২৯॥ বনগী [illegible] চিলাইদা [illegible] ভীমবু [illegible] । [illegible] ভীমগী [illegible] থংহৌদনা মাংথোকখি ॥৩০॥ [illegible] তুংদা ভীমসেননা [illegible] মমাগী মনাক তাম্না চৎখি ॥৩১॥ [illegible] তুংদা ভীমনা [illegible] চংলক্লুনা মমাবু [illegible] নোনলুক্লা [illegible] মনাও [illegible] ; [illegible] লোয়নবা মচিন-মনাওশিংনসু ভীমবু [illegible] অমমুং [illegible] "[illegible] ! [illegible]" [illegible] ভীমবু [illegible] ইকোয় কোয়শিনি ॥৩২—৩৩॥ [illegible] ভীমসেননা [illegible] মনাওশিংগী [illegible] তৌখিবা [illegible] পুজমকতু [illegible] ॥৩৪॥ [illegible] নাগলোকতা [illegible] ॥৩৫॥ [illegible] যুধিষ্ঠিরনা [illegible] চানা ভীমদা [illegible] ভীম ! [illegible] ॥৩৬॥ "[illegible]" [illegible] যুধিষ্ঠিরনা মনাওশিংগা [illegible] তৌখি; [illegible] হু [illegible] ভীমদা [illegible]

ভ্রাতৃভিঃ সহিতঃ সর্বৈরপ্রমত্তোঽভবত্তদা। তদা প্রভৃত্যেব বৈ পাণ্ডবাস্তত্ত কর্ম্ম তৎ ॥ ৩৮ ॥
ন ব্যেব বহুলং চক্রুঃ প্রয়তা মন্ত্ররক্ষণে। ধর্মাত্মা বিদুরস্তেষাং প্রদদৌ মতিমান্ মতিম্ ॥৩৯॥
দুর্য্যোধনোঽপি তং দৃষ্ট্বা পাণ্ডবং পুনরাগতম্। নিঃশ্বসংশ্চিন্তয়ংশ্চৈব দহ্যমানোঽহনি তপ্যতে ॥৪০॥
কুমারান্ ক্রীড়মানাংস্তান্ দৃষ্ট্বা রাজাতিদুর্ম্মদান্। গুরুং শিক্ষার্থমন্বিষ্য গৌতমং তান্ ন্যবেদয়ৎ ॥৪১॥
শরস্তম্বে সমুদ্ভূতং বেদশাস্ত্রার্থপারগম্। অধিজগ্মুশ্চ কুরবো ধনুর্বেদং কৃপাত্তু তে ॥৪২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বনি
সম্ভবে ভীমপ্রত্যাগমনং নাম চতুর্বিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০):—

বা তান্নচুনা লেনখি, থৌদোক অসি কনা অমতদা হায়দোকখিদে। অসোমদা ধর্ম্ম চেন্নবা শীংলবা বিদুরনা ফত্রবা থৌদোক থোক্কদৌরিবরা হায়না হেক হেক চিংনরকপা মতমদা পাণ্ডবশিংদা তুম্মন তুম্মিন্না লাক্তুনা পুক্কিং লৌশিং ওইনবা জ্ঞান তাকলৈ ॥৩৭—৩৯॥ আসোমদা দুর্যোধনসু ভীম লাকপা উবদা অন্নাবগী মুংশা মপি হোন্দুনা যান্না চিন্তা তৌনা কল্লকপগী মৈনা থমোইদা চাক্তুনা নুমিৎ খুদিংগী ভীমবু মাংনবা উপায়ত খন্দুনা লৈখি ॥৪০॥ লম হেন্নবা অচাংশিং অত্তুনা নুমিৎ চুপ্পা শান্নতুন ওাক লৈরে হায়বসি উবদা মাংবা তারে হায়বসি খন্দুনা, মথোয়গী খুৎসু খুৎলা ইনচিংবা মহৈ মশিং তম্মীনবা ওবা অমতং কোয়থি থিদনা শরবনদা পোকপা, বেদ শাস্ত্র হৈরবা, গৌতমগী গোত্রদা পোক্লবা গুরু অমাবু পুরক্তুনা মাগী মকমদা অচাংশিং অত্ত শিন্নখি, অচাংশিং অহুসু হায়রিবা কৃপাচার্য্য কৌবা গুরু অমসগী মফমদা ধনুর্বেদ তম্বা হৌখি ॥৪১—৪২॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা ভীমপ্রত্যাগমন কৌবা চাম-কুনমরি শুবা অধায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে কৃপোৎপত্তির্নামঃ।

(মীয়োল-নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা কৃপাপত্তিগী ৱারী)

(চাম্না কুনমঙা শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

জনমেজয় উবাচ।

কৃপস্যাপি মম ব্রহ্মন্! সম্ভবং বক্তুমর্হসি। শরস্তম্বাৎ কথং জজ্ঞে কথঞ্চাস্ত্রাণ্যবাপ্তবান্ ॥১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

মহর্ষের্গৌতমস্যাসীচ্ছরদ্বান্ নাম গৌতমঃ। পুত্রঃ কিল মহারাজ! জাতঃ সহ শরৈর্বিভো! ॥২॥

ন তস্য বেদাধ্যয়নে তথা বুদ্ধিরজায়ত। যথাস্য বুদ্ধিরভবদ্ধনুর্বেদে পরন্তপ! ॥৩॥

অধিজগ্মুর্যথা বদাস্তপসা ব্রহ্মচারিণঃ। তথা স তপসোপেতঃ সর্বাণ্যস্ত্রাণ্যবাপ হ ॥৪॥

ধনুর্বেদপরত্বাচ্চ তপসা বিপুলেন চ। ভৃশং সন্তাপয়ামাস দেবরাজং স গৌতমঃ ॥৫॥

ততো জানপদীং নাম দেবকন্যাং সুরেশ্বরঃ। প্রাহিণোত্তপসো বিঘ্নং কুরু তস্যেতি কৌরব! ॥৬॥

সা হি গত্বাশ্রমং তস্য রমণীয়ং শরদ্বতঃ। ধনুর্বাণধরং বালা লোভয়ামাস গৌতমম্ ॥৭॥

তামেকবসনাং দৃষ্ট্বা গৌতমোঽপ্সরসং মনে। লোকেঽপ্রতিমসংস্থানাম উৎফুল্লনয়নোঽভবৎ ॥৮॥

জনমেজয়না হায়খি— মহর্ষি বৈশম্পায়ন! চানবিদুনা ঐঙোন্দ কৃপাচার্য্যগী মপোক্কী ৱারী অসি অমুক্ত লীবিয়ু। মতৌ করম্না মহাক অসি শরবন (শীংনাংগী বন) দা পোকথিবা অদুগা মতৌ করম্না থুংশু থুংলাই তমদুনা অদুক য়াম্না হৈখিবনো? ॥১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মহারাজ! মহর্ষি ওইরবা গৌতমগী শরদ্বান কৌবা মচা অমা লৈরম্মি। মহাক অসি পোকপা মতমদা তেলত্তগা লোয়ননা পোকখি, ॥২॥ ধনুর্বেবদদা মবুদ্ধি জ্ঞান লৈবা অদুগুম্না বেদশাস্ত্রদসু মহাক অসি য়াম্না চংথোক্লি ॥৩॥ অতোপ-আতাপপা ব্রহ্মচারীশিংনা তপস্যা তৌনতৌনা বেদশাস্ত্র পুম্নমক তমবা হোৎনখিবা অদুগুম্নদুনা শরদ্বান্ হায়রিবসিসু অকনবা তপস্যাগা লোয়ননা থুংশু-থুংলাই পুম্নমক ধনুর্বেবদগী নিযম মতুং ইন্না লোইন তমখি ॥৪॥ অদুম ওইব গৌতম ঋষিগী মচা শরদ্বান্না মশাগী ধনুর্বেবদদা য়াম্না হেঙ্গিম্না পুক্নিং চংবা অমদি অকনবা তপস্যা অদুমক্তা দেবরাজ ইন্দ্রবু মপুক্নিংদা চিংনবা অমদি অকিবা পোকহনখি ॥৫॥ মরম অদুনা নোংম, দেবরাজ ইন্দ্রনা শরদ্বান্গী তপস্যাবু থুগাইগে হায়দুনা "নং হোৎজিনক চত্লুনা শরদ্বানগী তপ অসি থুগাইরুচো" অদুম হায়দুনা জানপদী কৌবী অপ্সরাবু শরদ্বানগী মনাক্ত থারকই ।।৬।। জানপদী কৌবী অপ্সরা অদুনা শরদ্বানগী নিংথিজরবা আশ্রম অদুদ চৎখিদুনা লীরুং তেন্দোং পোদুনা তপস্যা তৌরিবা শরদ্বানসু অতোপ অতোপ্পা শাওং-শাথেক্ক মিহৌহল্লুরে।'৭।। জগত্তা পান্দমনীংঙাই লৈতন ফজরবী ফিজোল অমত্তা শেংলবী অপ্সরা অদুবু অচৌকপা বন অদুগী মনুংদা লাকপদু উবদা মথিৎ 'কুপ্লুনা শরদ্বাননা মাঙোন্দ য়েংখি

ধনুশ্চ হি শরস্তস্য করাভ্যামপতদ্ভুবি। বেপথুশ্চাপি তাং দৃষ্ট্বা শরীরে সমজায়ত ॥৯॥
স তু জ্ঞানগরীয়স্ত্বাত্তপসশ্চ সমন্বয়াৎ। অবতস্থে মহাপ্রাজ্ঞো ধৈর্য্যেণ পরমেণহ ॥১০॥
যত্তস্য সহসা রাজন্! বিকারঃ সমদৃশ্যত। তেন সুস্রাব রেতোঽস্য স চ তন্নাববুধ্যত ॥১১॥
ধনুশ্চ সশরং ত্যক্ত্বা তথা কৃষ্ণাজিনানি চ। স বিহায়াশ্রমং তঞ্চ তাঞ্চৈবাপ্সরসং মুনিঃ ॥ ১২ ॥
জগাম রেতস্তত্তস্য শরস্তম্বে পপাত হ। শরস্তম্বে চ পতিতং দ্বিধা তদভবন্নৃপ! ॥ ১৩ ॥
তস্যাথ মিথুনং জজ্ঞে গৌতমস্য শরদ্বতঃ। মহর্ষের্গৌতমস্যাস্য হ্যাশ্রমস্য সমীপতঃ ॥১৪॥
মৃগয়াং চরতো রাজ্ঞঃ শান্তনোস্তু যদৃচ্ছয়া। কশ্চিৎ সেনাচরোঽরণ্যে মিথুনং তদপশ্যত ॥১৫॥
ধনুশ্চ সশরং দৃষ্ট্বা তথা কৃষ্ণাজিনানি চ। জ্ঞাত্বা দ্বিজস্য চাপত্যে ধনুর্বেদান্তগস্য হ ॥ ১৬ ॥
স রাজ্ঞে দর্শয়ামাস মিথুনং সশরং ধনুঃ। স তদাদায় মিথুনং রাজা চ কৃপয়ান্বিতঃ ॥১৭॥
আজগাম গৃহানেব মম পুত্রাবিতি ব্রুবন্। ততঃ সংবর্দ্ধয়ামাস সংস্কারৈশ্চপ্যযোজয়ৎ ॥১৮॥
প্রাতীপেয়ো নরশ্রেষ্ঠো মিথুনং গৌতমস্য তৎ। কৃপয়া যস্ময়া বালাবিমৌ সংবর্দ্ধিতাবিতি ॥১৯॥
তস্মাত্তয়োর্নাম চক্রে তদেব স মহীপতিঃ। তস্মাৎ কৃপ ইতিখ্যাতঃ কৃপী কন্যা চ সাঽভবৎ ॥২০॥

॥৮॥ অপ্সরা অদুবু উবদা শরদ্বানগী মথুক্তগী লৈমায়দ লীকং তেল তাখিবা থংহৌদে মশা তনিক-তনিকখি ॥৯। অহমকপু জ্ঞান লৈববা অমদি ইন্দ্রিয়-থুত্নম চনবা অম ওইনা তহা-তহাদনা পূক্লিং লাকশিন্দুনা তুমিন্ন লৈখি ॥১০॥ অদুবু থংহৌদনা অপ্সবাক্তগা শম্ননীংবগী ঈথক্লা থম্মোয়দা কন্ন হৌখি, মতম অদুদা থংহৌদনা বীর্য্যগী শরুক খর নাস্থখ্রে; মাদু মহাক থংদে ॥১১॥ অদুগী তুংদ, মহাক্লা লীকং-তেল-তেন্দোং অমসুং শজী-মউল নচিংবা লংথোক্রমহনা অপ্সরা অদুগী মনাক্ত চংশিনখি। মহাক্কী মশাদগী তাখিবা বীর্য্য অদুদি শীংনাং মথোক অমদা তাকতুনা অনীথোক্লা নাকল নাকন্দা তাখি ॥১২—১৩॥ বীর্য্য অদ্দগী শরদ্বানগী নিপা অমগা নুপী অমগা মচা অনি পোকখি। অসোমদা, শরদ্বানগী আশ্রম অদগী মনাক্ত মহারাজ শান্তনুসু মৃগয়া চৎকে হায়দুনা হেক লাকই, লাইগী নোংদমদগী মহাক্কী লান্মী অমনা অসুম লাকপদা অঙাং নিপা অদুগা নুপী অদুগা অনী অদু থংহৌদনা উরুরে ॥১৪—১৫॥ লানমী অদুনা তাহনা লৈরিবা লীকং তেল, অমদি শজী মউল অদুগা অঙাং অনীদুগা উবদা কনাগুম্বা থুংগু-থুংলাই হৈরবা ব্রাহ্মণ অমগী মচা ওইরমান্নে হায়না খংলদুনা লীকং তেল—শজী মউল অদুগা অঙাং অনী অদু নিংথৌ শান্তনুদা উহনখি। মতম অদুদা শান্তনুনা অঙাং অনীদু উবদা নুংশিরহনা, "অঙাং অনীসি ঐগী ইচা ওইরনি" অসুম হায়দুনা অঙাং অনীহ পুন্নুনা কোম্নংদা হনখি। অঙাং অনীহ নীংথিনা য়োক থাকখি; জাত কর্ম্মনচিংবা হায়বদি নাহুৎ-নারেংবনচিংবা সংস্কার পুন্নমক তৌখি ॥১৬—১৮॥

অদুগী মতুংদা প্রতীপগী মচা শান্তনুগী মপুক্লিংদা অসুম হায়না থনখি— "ঐনা নুংশিদুনা চাওনবা য়োক থাক্লক্লিবা অঙাং অনিসিগী মমিংদি ঐনা থোনজগনি" অসুম থন্দুনা অঙাং অনি অদুগী মমিং থোনখি। অঙাং নিপা মচা অদুগী মমিংনা "কৃপ" নুপী মচা অদুগী মমিংনা "কৃপী"

পিতাপি গৌতমস্তস্য তপসা তাববিন্দত। আগম্য তস্মৈ গোত্রাদি সর্বমাখ্যাতবাংস্তদা ॥২১॥

কৃপোঽপি চ তদা রাজন্ ধনুর্বেদপরোঽভবৎ। চতুর্বিধং ধনুর্বেদং শস্ত্রাণি বিবিধানি চ ॥২২॥

নিখিলেনাস্য তৎ সর্বং গুহ্যমাখ্যাতবান্ পিতা। সোঽচিরেণৈব কালেন পরমাচার্য্যতাং গতঃ ॥২৩॥

ততোঽধিজগ্মুঃ সর্ব্বে তে ধনুর্ব্বেদং মহারথাঃ। ধৃতরাষ্ট্রাত্মজাশ্চৈব পাণ্ডবাশ্চ মহাবলাঃ ॥২৪॥

বৃষ্ণয়শ্চ নৃপাশ্চান্যে নানাদেশমাগতাঃ। কৃপমাচার্য্যমাসাদ্য পরমাস্ত্রজ্ঞতাং গতাঃ ॥২৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি

সম্ভবে কৃপোৎপত্তির্নাম পঞ্চবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—০:(*):০—

অস্থম হায়না খোমথে ॥১৯—২০॥ কোম্বংদ, মপা শরদ্বান ঋষিসু মহাক্কী তপস্যাগী শক্তিনা থোকখিব্রা খোদোক শুমনমক অহু খংলহনা শাস্তনুগী কোম্বংদা লাক্তুনা কৃপগী মকমদা মহাক্কী শাগে গোত্রনচিংবা লোইনা তাকখি ॥২১॥ মহারাজ! কৃপসু মপা শরদ্বানগুমনা খুংগু-খুংলাইদা য়াংনা পুক্লিং চংখি। মরম অতুনা মপা শরদ্বাননা ধনুর্বেদ মখল মরী, মখল মথা অয়াম্বা খুংগু-খুংলাইনচিংবা অদুগা য়ামনা থুপলবা কুপলবা বিষয় কয়াসু কৃপদা তম্বিখি। মাহ্মক্কুনা মতম খরগী মনুংদা কৃপ হায়বসি অচৌবা, ফাওরবা খুংলাইগী আচার্য্য অমা ওইখে ॥২২—২৩॥ মরম অতুমক্কুনা ধৃতরাষ্ট্র অমদি পাণ্ডুগী মচাশিং, বৃষ্ণিবংশগী অঙাংশিং অদুগা অতোপ অতোপ্পা দেশদগী লাকপা নিংথৌ মচাশিংনা কৃপাচার্য্যগী মফমদা লাক্কুনা ধনুর্ব্বেদ তমখি। মখোয়সু হৈরবা মত্তিক চারবা কৃপাচার্য্যবু গুরু ওইনা ফংজহনা অচৌ-অচৌবা খুংলাই হৈবা অমমম ওইখি ॥২৪—২৫॥

মতায় অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা মভবদা কৃপোৎপত্তি হায়না কৌবা চাম কুনমত্তা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—(*)—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে দ্রোণস্য ভার্গবাদস্ত্রপ্রাপ্তির্নামঃ

(মীরোল—নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা ভার্গবাজস্ত্র প্রাপ্তিগী ৱারী)

(চামা কুনতরুক শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

বিশেষার্থী ততো ভীষ্মঃ পৌত্রাণাং বিনয়েপ্সয়া। ইষ্বস্ত্রজ্ঞান্ পর্য্যপৃচ্ছদাচার্য্যান্ বীর্য্যসম্মতান্ ॥১॥

নাল্পধীর্নামহাভাগস্তথা নানস্ত্রকোবিদঃ। নাদেবসত্ত্বো বিনয়েৎ কুরূনস্ত্রে মহাবলান্ ॥ ২ ॥

ইতি সঞ্চিন্ত্য গাঙ্গেয়স্তদা ভরতসত্তম!। দ্রোণায় বেদবিদুষে ভারদ্বাজায় ধীমতে ॥৩॥

পাণ্ডবান্ কৌরবাংশ্চৈব দদৌ শিষ্যান্নরর্ষভ!। শাস্ত্রতঃ পূজিতশ্চৈব সম্যক্ তেন মহাত্মনা ॥৪॥

স ভীষ্মেণ মহাভাগস্তুষ্টোঽস্ত্রবিদুষাং বরঃ। প্রতিজগ্রাহ তান্ সর্বান্ শিষ্যত্বেন মহাযশাঃ।

শিক্ষয়ামাস চ দ্রোণো ধনুর্বেদমশেষতঃ ॥৫॥

তেঽচিরেণৈব কালেন সর্ব্বশস্ত্রবিশারদাঃ। বভূবুঃ কৌরবা রাজন্! পাণ্ডবাশ্চামিতৌজসঃ ॥৬॥

জনমেজয় উবাচ।

কথং সমভবদ্দ্রোণঃ কথঞ্চাস্ত্রাণ্যবাপ্তবান্। কথঞ্চাগাৎ কুরূন্ ব্রহ্মন্! কস্য পুত্রঃ স বীর্য্যবান ॥৭॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—অতুগী মতুংদা ভীষ্মনা, যুধিষ্ঠির অমস্তং দুর্য্যোধননচিংবা মশুশিং অসিবু পৃথিবীগী অকনবাশিংগী মরক্তগী মীথোই মীহেনবা ওইনা শেমগে হায়না থন্দুনা অমদি থোইদোক কেন্দোকপা বিদ্যাবু হৈহনগে হায়বগী ৱাখল্লা, লমকোয়বা অমদি মীরৈবাক চৎকনবা যাত্রিকশিংগী মফমদা, করি করি লমদা, করম করম্বা দেশতা ধনুর্ব্বেদা ফাউরবা খুৎসু খুৎলাইশুনা হৈরবা আচায্য কনা কনা লৈবা য়াউগে অমদি তাবগে হাযবগী মরমদা, ইতস্ততনা হংখি ॥১॥ মরমদি, মীথোই মীহেন্না মবুদ্ধি লৈতবা, পুকচেল চাউদবা, খুৎলাইদা অতৈগা মান্নদনা কাহেন্না হৈতবা অমদি দেবতা মক্কা মান্নমা মপাঙ্গল কন্দবা, অতুগুম্বা অচম্বা ওঝানদি মীথোই মীহেন্না পোক্লবা কুরু শাগেগী অঙাংশিং অসিবুদি হেক তম্বিবা ওমলোই ॥২॥ অস্তুম হায়না থন্দুনা ভীষ্মনা বেদ শাস্ত্র লোইনা হৈরবা, থোইদোক্লস্তু জ্ঞানী ওইরবা ভরদ্বাজ ঋষিগী মচা নিপা দ্রোণগী মফমদা কৌরব অমদি পাণ্ডবশিংবু শিষ্য ওইনা শিন্নখ্রে; পুকচেল চাউরবা ভীষ্মনা শাস্ত্রগী নিয়ম মতুংইন্না গুরুদ্রোণবু তরাম তরান্না তৌবত্তুদা, পুকচেল চাউরবা, খুৎলাই হৈবগী মতুংদা অথোইবা, অমদি মিংচৎ চাউরবা দ্রোণাচার্য্যস্থু পোল্লত্তুনা হরাও হরাওনা অঙাং, কৌরব অমদি পাণ্ডবশিং অদুবু মাগী শিষ্য ওইহনখি, অমদি ধনুর্বেদবু শকুং থানা তম্বিবা হৌখি ॥৩—৫॥ থর লৈত্রগা কৌরব অমদি পাণ্ডবশিং অসি মতম থরগী মতুংদা খুৎসু খুৎলাই পুন্নমক্কা হৈশিংলবা, অতৈ অমগা মান্নদনা মপাঙ্গল কন্নবা ছাক্তা ওইখি ॥৬॥ জনমেজয়না হায়খি—দ্রোণাচার্য্য অসি মগুং করম্না পোকখি, মানা করম্বা মওংদা খুৎলাই তমখিবা, কৌরবশিংগী

কথঞ্চাস্য সুতো জাতঃ সোঽশ্বত্থামাস্ত্রবিত্তমঃ। এতদিচ্ছাম্যহং শ্রোতুং বিস্তরেণ তপোধন ! ॥৮॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

গঙ্গাদ্বারং প্রতি মহান্ বভূব ভগবানৃষিঃ। ভরদ্বাজ ইতি খ্যাতঃ সততং শংসিতব্রতঃ ॥৯॥

সোঽভিষেক্তুং ততো গঙ্গাং পূর্ব্বমেবাগমন্নদীম্। মহর্ষিভির্ভরদ্বাজো হবির্দ্ধানে চরন্ পুরা ॥১০॥

দদর্শাপ্সরসং সাক্ষাদ্ঘৃতাচীমাপ্লুতামৃষিঃ। রূপযৌবনসম্পন্নাং মদদৃপ্তাং মদালসাম্ ॥ ১১ ॥

তস্যা বায়ুর্নদীতীরে বসনং পর্য্যকর্ষত। ব্যপকৃষ্টাম্বরাং দৃষ্ট্বা তামৃষিশ্চকমে ততঃ ॥১২॥

তত্র সংসক্তমনসো ভরদ্বাজস্য ধীমত। ততোঽস্য রেতশ্চস্কন্দ তদৃষির্দ্রোণ আদধে ॥১৩॥

ততঃ সমভবদ্দ্রোণঃ কলশে তস্য ধীমতঃ। অধ্যগীষ্ট স বেদাংশ্চ বেদাঙ্গানি চ সর্বশঃ ॥১৪॥

অগ্নিবেশ্যং মহাভাগং ভরদ্বাজঃ প্রতাপবান্। প্রত্যাপাদয়দাগ্নেয়মস্ত্রমস্ত্রবিদাং বরঃ ॥১৫॥

অগ্নেস্তু জাতঃ স মুনিস্ততো ভরতসত্তম !। ভারদ্বাজং তদাগ্নেয়ং মহাস্ত্রং প্রত্যপাদয়ৎ ॥১৬॥

ভরদ্বাজসখা চাসীৎ পৃষতো নাম পার্থিবঃ। তস্যাপি দ্রুপদো নাম তদা সমভবৎ সুতঃ ॥১৭॥

স নিত্যমাশ্রমং গত্বা দ্রোণেন সহ পার্থিবঃ। চিক্রীডাধ্যয়নঞ্চৈব চকার ক্ষত্রিয়র্ষভঃ ॥১৮॥

মফমদা মতৌ কমদৌনা অমসুং করিগী দমক লাকখিবা ? মহাক অসি কনাগী মচানো ? ॥৭॥ হে তপস্যাতনা লল ওইরবা ! থুৎশু থুৎলাই হৈবশিংগী মপুংদগী অথোইবা ওইরবা অশ্বত্থামা হায়বসিনা মতৌ করম ভৌনা দ্রোণগী মচা ওইনা পোকখিবা— পুন্নমক অসি শন্দোকনা তাজনিংঙি ॥৮॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মতম পুন্নমক্তা অচেৎপা ব্রত তৌরবা অমদি মহাত্মা ওইরবা মহর্ষি ভরদ্বাজনা গঙ্গাগী হৌরকফম গোমুখী তীর্থদা লৈখি ॥৯॥ মহাক্না করিগুম্বা মতম অমদা হোম তৌগে হায়দুনা মাগী আশ্রমদগী অতোপ অতোপ্পা মহর্ষিশিংগা লোয়নদুনা স্নান তৌগে হায়বগী দমক গঙ্গা তান্না চৎলমই ॥১০॥ মফম অদুদা মশক মতৌ ফজরবী, মথোৎ কারকপগী থোয়রবী অমদি মথোৎ কারকপগী ময়াইনা লেপ্না তপ্না চৎলিবী, ঘৃতাচী কৌবী অপ্সরা অদুনা ইরুজদুনা কাররগা মফি হোংঙি ॥১১॥ তাঙ্গা অদুদা নুরেনগী মপান্দা হুম্নকপা নুংশিৎ অদুনা মাগী মফি অদু হুমদোকখ্রে, মাদুদা মাগী হকচাং কয়াৎ পুন্নমক ইঙাল ভান্না উখি; অদুগুম্বা মওং অদু উবদা ভরদ্বাজগী থমোইদা অপাম্বা পোকখ্রে ॥১২॥ ভরদ্বাজগী থমোই অদো অপ্সরা অদুদা লুপখ্রে, মতম অদুদা ভরদ্বাজগী শুক্র অদু নাম্থখি, ভরদ্বাজ মুনিনা তারকলিবা বীর্য্য অদু থুংনা যারগা চফু মপুংদা হাপচিনদুনা থমখি ॥১৩॥ ভরদ্বাজ মুনিগী অদুম্বা বীর্য্য অদুদগী চফু মপুংদা দ্রোণ অসি পোকখি। অদুম্বা দ্রোণ অদুনা মতম চানা বেদ বেদাঙ্গ পুন্নমক লোইনা তমখি ॥১৪॥ মায়কৈ অসোমদা থুৎলাই হৈবাশিংগী মরক্তগী অথোইবা অমদি প্রতাপ চাউমবা মহর্ষি ভরদ্বাজনা পূকচেল চাউরবা অগ্নিবেশ্য মুনিদা মৈগী তেন অমা তম্বিখি ॥১৫॥

অদুগা অমুক মৈগী মচা অগ্নিবেশ্য মুনিনা ভরদ্বাজ মুনিগী মচা নিপা দ্রোণদা অদুম্বা থুৎলাই অদু তম্বিখি ॥১৬॥ আসোমদা, ভরদ্বাজগী মরূপ পৃষত হায়বা নিংথৌ অমা পায়রমই; মহাকী দ্রুপদ হায়না কৌবা মচা অমা পোকখি ॥১৭॥ পৃষতগী মচা দ্রুপদ অসি ভরদ্বাজগী আশ্রমদা লাকনা

ততো ব্যতীতে পৃষতে স রাজা দ্রুপদোঽভবৎ। পাঞ্চালেষু মহাবাহুরুত্তরেষু নরেশ্বর! ॥১৯॥
ভরদ্বাজোঽপি ভগবানারুরোহ দিবং তদা। তত্রৈব চ বসন্ দ্রোণস্তপস্তেপে মহাতপাঃ ॥২০॥
বেদবেদাঙ্গবিদ্বান্ স তপসা দগ্ধকিল্বিষঃ। ততঃ পিতৃনিযুক্তাত্মা পুত্রলোভান্মহাযশাঃ ॥২১॥
শারদ্বতীং ততো ভার্য্যাং কৃপীং দ্রোণোঽন্ববিন্দত। অগ্নিহোত্রে চ ধর্ম্মে চ দমে চ সততং রতাম্ ॥২২॥
অলভদ্ গৌতমী পুত্রমশ্বত্থামানমেব চ। স জাতমাত্রো ব্যনদদ্ যথৈবোচ্চৈঃশ্রবা হয়ঃ ॥২৩॥
তচ্ছ্রুত্বান্তর্হিতং ভূতমন্তরীক্ষস্থমব্রবীৎ। অশ্বস্যেবাস্য যৎ স্থাম নদতঃ প্রদিশো গতম্ ॥২৪॥
অশ্বত্থামৈব বালোঽয়ং তস্মান্নাম্না ভবিষ্যতি। সুতেন তেন সম্প্রীতো ভারদ্বাজস্ততোঽভবৎ ॥২৫॥
তত্রৈব চ বসন্ ধীমান্ ধনুর্ব্বেদপরোঽভবৎ। স শুশ্রাব মহাত্মানং জামদগ্ন্যং পরন্তপম্ ॥২৬॥
সর্ব্বজ্ঞানবিদং বিপ্রং সর্ব্বশস্ত্রভৃতাং বরম্। ব্রাহ্মণেভ্যস্তদা রাজন্! দিৎসন্তং বসু সর্ব্বশঃ ॥২৭॥
স রামস্য ধনুর্ব্বেদং দিব্যান্যস্ত্রাণি চৈব হ। শ্রুত্বা তেষু মনশ্চক্রে নীতিশাস্ত্রে তথৈব চ ॥২৮॥
ততঃ স ব্রতিভিঃ শিষ্যৈস্তপোযুক্তৈর্মহাতপাঃ। বৃতঃ প্রায়ান্মহাবাহুর্মহেন্দ্রং পর্ব্বতোত্তমম্ ॥২৯॥
ততো মহেন্দ্রমাসাদ্য ভারদ্বাজো মহাতপাঃ। ক্ষান্তং দান্তমমিত্রঘ্নমপশ্যদ্ভৃগুনন্দনম্ ॥৩০॥
ততো দ্রোণো বৃতঃ শিষ্যৈরুপগম্য ভৃগূদ্বহম্। আচখ্যাবাত্মনো নাম জন্ম চাঙ্গিরসঃ কুলে ॥৩১॥

মমাল্লবা ওইনা শান্নগিন্নে অমদি মহে তম্মিন্নে ॥১৮॥ মহারাজ! পৃষত কৌবা নিংথৌনা শিখ্রবদা, দ্রুপদনা উত্তর পঞ্চাল দেশগী নিংথৌ ওইখি ॥১৯॥ মহর্ষি ভরদ্বাজনা নোংগাখিবা মতমদা দ্রোণনা আশ্রম অদুদা লৈদুনা অকনবা তপস্যা তৌখি অমসুং মমৈথংদা তচৌবা তপস্বী অমা ওইনা ফাওখি ॥২০॥ বেদ অমসুং বেদাঙ্গ পুম্নমক হৈরবা দ্রোণনা তপস্যাগী মশাগী পাপ পুম্নমক চামথোকখি। অমরোমদা মহাক্কী মপানা মমাংঙৈদগী হোনা মাবু লুহোংঙু হায়খি, মরম অদুনা দ্রোণনা শরদ্বান ঋষিগী মচা নুপী কৃপীবু লুহোংদুনা লৌখি। কৃপী হায়বী অসিনা যাগ যজ্ঞদা, ধর্ম্ম কর্ম্মদা অমদি ইন্দ্রিয় সংযমদা মতম পুম্নমক্তা লোইনবী ওইখি ॥২১—২২॥ অদুগুম্বী কৃপীনা অশ্বত্থামাবু মচা ওইনা ফংখি। অদুগুম্বা অশ্বত্থামানা হেক পোকপদা শগোলগী মতৌগুম্না ওল্লোকপা খোল্লাও অমনা কপখি ॥২৩॥ খোল্লেল অদু তাবদা মশক উহন্দনা আকাশতা লৈবা দেবতা পুম্নমক্না হায়খি, "শগোলগী মতৌগুম্না লাওব মরম্না অঙাং অসিগী মমিং অশ্বত্থামা হায়না কৌরগদৌবনি"। দ্রোণনা মচা নিপা অশ্বত্থামা কৌবা অসি ফংবদা থোইদোক্না নুংঙাইখি ॥২৪—২৫॥ অদুগী মতুংদা বুদ্ধি লৈরবা দ্রোণনা মশাগী আশ্রমদা লৈদুনা মশা মথন্তনা ধনুর্বেদবু অভ্যাস তৌখি। অসিগুম্বা মতমদা শাস্ত্র পুম্নমক খংলবা. জগৎকী খুৎলাই হৈবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অথোইবা, য়েক্লব পুম্নমক হাৎলবা পরশুরামনা ব্রাহ্মণশিংগী মফমদা মহাক্কী অরৈব লন-থুম পুম্নমক কৎথোকনি হায়বসি দ্রোণনা তাখি ॥২৬—২৭॥ ধনুর্বেদ অমদি অতোপ অতোপ্পা খুৎশু খুৎলাই পুম্নমক লোইনা তখিবী হায়বা তাব অদুদা দ্রোণনা পরশুরামগী মফমদগী নীতি শাস্ত্র অমদি খুৎলাইনাচিংবা তমগে হায়না খনখ্রে ॥২৮॥ অদুগী মতুংদা দ্রোণনা ব্রত চেৎলবা অমদি তপস্যা কনবা তপস্বী শিষ্যশিংনা ইকোয় কোয়রদুনা মহেন্দ্র পর্ব্বত তান্না চংখি ॥২৯॥ দ্রোণনা মহেন্দ্র পর্ব্বতা চংথিল্লা ক্ষাকপী কনবী হৈরবা, ইন্দ্রিয় খুদম চানবা য়েক্লবা ভুম্না হাৎলবা পরশুরামগী দর্শন কংখি ॥৩০॥ অদুগী মতুংদা দ্রোণনা শিষ্য পুম্নমক্না

নিবেদ্য শিরসা ভূমৌ পাদৌ চৈবাভ্যবাদয়ৎ। ততস্তং সর্বমুৎসৃজ্য বনং জিগমিষুং তদা ॥৩২॥
জামদগ্ন্যং মহাত্মানং ভারদ্বাজোঽব্রবীদিদম্। ভরদ্বাজাৎ সমুৎপন্নং তথা ত্বং মামযোনিজম্ ॥৩৩॥
আগতং বিত্তকামং মাং বিদ্ধি দ্রোণং দ্বিজোত্তম!। তমব্রবীন্মহাত্মা স সর্বক্ষত্রিয়মর্দনঃ ॥৩৪॥
স্বাগতং তে দ্বিজশ্রেষ্ঠ! যদিচ্ছসি বদস্ব মে। এবমুক্তস্তু রামেণ ভারদ্বাজোঽব্রবীদ্বচঃ ॥৩৫॥
রামং প্রহরতাং শ্রেষ্ঠং দিৎসন্তং বিবিধং বসু। অহং ধনমনন্তং হি প্রার্থয়ে বিপুলব্রত! ॥৩৬॥

রাম উবাচ।

হিরণ্যং মম যচ্চান্যদ্বসু কিঞ্চিদিহ স্থিতম্। ব্রাহ্মণেভ্যো ময়া দত্তং সর্বমেব তপোধন! ॥৩৭॥
তথৈবেয়ং ধরা দেবী সাগরান্তা সপত্তনা। কশ্যপায় ময়া দত্তা কৃৎস্না নগরমালিনী ॥৩৮॥
শরীরমাত্রমেবাদ্য ময়েদমবশেষিতম্। অস্ত্রাণি চ মহার্হাণি শস্ত্রাণি বিবিধানি চ ॥৩৯॥
অস্ত্রাণি বা শরীরং বা ব্রহ্মন্! শস্ত্রাণি বা পুনঃ। বৃণীষ্ব কিং প্রযচ্ছামি তুভ্যং দ্রোণ! বদস্ব তৎ ॥৪০॥

দ্রোণ উবাচ।

অস্ত্রাণি মে সমগ্রাণি সসংহারাণি ভার্গব!। সপ্রয়োগরহস্যানি দাতুমর্হস্যশেষতঃ ॥৪১॥
তথেত্যুক্ত্বা ততস্তস্মৈ প্রাদাদস্ত্রাণি ভার্গবঃ। সরহস্যব্রতঞ্চৈব ধনুর্বেদমশেষতঃ ॥৪২॥

ইকোয় কোযশিল্লদুনা পরশুরামগী মফমদা চংশিন্দুনা মাগী মমিং দ্রোণ কৌবা, অঙ্গিরাগী গোত্রদা পোকপা অসিনচিংবা পরিচয় পুম্নমক পীদুনা মকোক নোন্দুনা পরশুরামগী চরণ শোক্লা থুকমখি। পরশুরামদি মতম অদুদা মহাক্কী লৈজবা পুম্নমক দান তৌরম্নগা বন চৎখ্রগে হায়না খল্লি, তাঙ্গা অদুমক্তদা দ্রোণ অসি লাক্লুনা হায়রে— হে ব্রাহ্মণ অথোইবা! ঐ অসি মহর্ষি ভরদ্বাজগী মচানি, অদুবু ঐদি প্রকৃতিগী পোক্লফম ওইবা মমা হায়ব অদুগী গর্ভদগী পোকপা নত্তে। ঐ অসি লন থুম খর ফংনিংবগী বাখল্দগী লাকচরিবনি হায়না খংবিয়ু। বা অসি তাদুনা মহাত্মা পরশুরামনা দ্রোণচার্য্যগী মফমদা হায়খি ॥৩১—৩৪॥ হে ব্রাহ্মণ অথোইবা! নহাক্লা লাকপসি নুংঙাইদা। নহাক্লা পাম্বহ ঐভোন্দা হায়য়ু। পরশুরামনা অসুম হায়রবদা দ্রোণনা হায়খি— ॥৩৫॥ মহর্ষি! নহাক্তি লান হৈবাশিংগী মরক্তগী অথোইবনি অমদি হৌজিকসু লৈরিবা লন-থুম পুম্নমক ব্রাহ্মণদা দান তৌথোক্কে হায়না থনবিরিবনি, মরম অদুনা ব্রাহ্মণ ঐসু মহক্কিগী নফমদগী লন-থুম খরদং নিগে লাকচরি ॥৩৬॥ পরশুরামনা হায়খি— সনা লুপা অমদি মাদুনা শাবা পোৎ পুম্নমক, অদুদসু নঙোন ঐগী হেক লৈরিবা পুম্নমক ব্রাহ্মণশিংদা লোইনা দান তৌথোকখ্রে ॥৩৭॥ অদুগা গ্রাম নগরনচিংবা পুম্নমক্কা লোয়নরবী সমুদ্র ফাউবা শন্দোকখ্রবী পৃথিবী মপুম অসিবু মহর্ষি কশ্যপতা দান তৌথোকখ্রবনি ॥৩৮॥ হৌজিক ঐভোন্দা লৈরিবা হায়রবু হকচাং অসিগা থুংশু থুংলাই খরগা অসিত মভাযরে ॥৩৯॥ মরম অদুনা দ্রোণ! ঐগী হকচাং, অস্ত্র অমদি শস্ত্র অদুম অসিগী মনুংদা ব্রাহ্মণনা করি পাম্বিবগে অমতং খনবিয়ু, মাদু হেক্লা কংচগে ॥৪০॥ দ্রোণনা হায়খি—ভৃগু শাগেগী অথোইবা! থুংলাই শিজিন্নবগী হৌনবী মওং মতৌ, অকুপ্পা মন্ত্র অমম্বং লান লোয়শিন্নবগী বিধি অমদি মাহৎশী পাম্নে পুম্নমক অসি তাকপিরগা লৈরিবা থুংশু থুংলাইশিং অসিসু ঐভোন্দা লোইনা পীনবিয়ু ॥৪১॥ "হৌ, পীগনি" অসুম হায়রগা পরশুরামনা,

প্রতিগৃহ্য তু তৎ সর্ব্বং কৃতার্থো হি দ্বিজোত্তমঃ। প্রিয়ং সখায়ং সুপ্রীতো জগাম দ্রুপদং প্রতি ॥৪৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি
সম্ভবে দ্রোণস্য ভার্গবাদস্ত্রপ্রাপ্তির্নাম ষড়্‌বিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——•:(*):•——

হেক লৈরিবা থৃৎশু থুহলাই পুম্নমক অহ মাগী মাগী মথিং মথা, শিজিন্নবা নিযম অমদি মন্ত্রগা লোযননা ধনুর্বেদগী জ্ঞান পুমনমক দ্রোণগী মফমদা লে়ইনা শিন্নখি ॥৪২॥ দ্রোণনা পুম্নমক অহ লৌদুনা পোকপগী মহৈ য়াল্লে হাযবগী মতাগুম পেনখ্রদুনা মাগী চান্নথোইরবা মরূপ নিংথৌ দ্রুপদগী মফমদা চৎখি ॥৪৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতত্তা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা ভার্গবাদস্ত্র প্রাপ্তি কৌবা চাদগা কুনতরুক শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——•:(*):•——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে ভীষ্ম-দ্রোণসমাগমো নামঃ।

(মীরোল নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা ভীষ্মদ্রোণ সমাগমগী ৱারী)

(চাম কুনতরেৎ শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততো দ্রুপদমাসাদ্য ভারদ্বাজঃ প্রতাপবান্। অব্রবীৎ পার্থিবং রাজন্! সখায়ং বিদ্ধি মামিতি ॥১॥

ইত্যেবমুক্তঃ সখ্যা স প্রীতিপূর্বং জনেশ্বরঃ। ভারদ্বাজেন পাঞ্চাল্যো নামৃষ্যত বচোঽস্য তৎ ॥২॥

স ক্রোধামর্ষজিহ্মভ্রূ কষায়ীকৃতলোচন। ঐশ্বর্য্যমদসম্পন্নো দ্রোণং রাজাঽব্রবীদিদম্ ॥৩॥

দ্রুপদ উবাচ।

অকৃতেয়ং তব প্রজ্ঞা ব্রহ্মন্! নাতিসমঞ্জসা। যন্মাং ব্রবীষি প্রসভং সখা তেঽহমিতি দ্বিজ! ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগী মতুংদা, থৃৎকন পাঙল্লবা দ্রোণনা দ্রুপদ কৌবা নিংথৌগী মফমদা চংখিদুনা হাযরুই— নিংথৌ! ঐ অসি মহারাজগী চান্নথোইরবা মরূপ অমনি হায়না খনবিয়ু ॥১॥ মরূপ দ্রোণনা য়াম্না মুংশিনা অদুম হায়কন্নবা ৱাডা, পাঞ্চাল লৈবাক্কী নিংথৌ দ্রুপদনা অহোয়নদুম দ্রোণনা ৱাংলিবা ৱা অদু তাদুনা থাংজনা লৈবা ঙম্লমখিদ্রে ॥২॥ শাওরনা অমদি থাংহৈদবনা দ্রুপদগী মীৎশুম অঙাংনা থোয়না শুকতোকখি, মথিং কনিনা অশাওবনা ঈ কাখি; ঐশ্বর্য্যগী মরাইনা চাওখিদুনা মাংলদা য়েংদুনা দ্রোণদা অদুম হায়খি— ব্রাহ্মণ! নঙ্গী বুদ্ধি অমদি জ্ঞান

নহি রাজ্ঞামুদীর্ণানামেবম্ভূতৈর্নরৈঃ ক্বচিৎ। সখ্যং ভবতি মন্দাত্মন্! শ্রিয়া হীনৈর্ধনচ্যুতৈঃ ॥৫॥
সৌহৃদান্যপি জীর্য্যন্তে কালেন পরিজীর্য্যতঃ। সৌহৃদন্তু ত্বয়া হ্যাসীৎ পূর্বং সামর্থ্যবন্ধনম্ ॥৬॥
ন সখ্যমজরং লোকে হৃদি তিষ্ঠতি কস্যচিৎ। কালো হ্যেনং বিহরতি ক্রোধো বৈনং হরত্যুত ॥৭॥
মৈবং জীর্ণমুপাস্স্ব ত্বং সখ্যং ভবত্বপাধিকৃৎ। আসীৎ সখ্যং দ্বিজশ্রেষ্ঠ! ত্বয়া মেঽর্থনিবন্ধনম্ ॥৮॥
ন দরিদ্রো বসুমতো নাবিদ্বান্ বিদুষঃ সখা। ন শূরস্য সখা ক্লীবঃ সখিপূর্বং কিমিষ্যতে ॥৯॥
যয়োরেব সমং বিত্তং যয়োরেব সমং বলম্। তয়োঃ সখ্যং বিবাদশ্চ ন তু পুষ্টবিপুষ্টয়োঃ ॥১০॥
নাশ্রোত্রিয়ঃ শ্রোত্রিয়স্য নারথী রথিনং সখা। নারাজা পার্থিবস্যাপি সখিপূর্বং কিমিষ্যতে ॥১১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

দ্রুপদেনৈবমুক্তস্তু ভারদ্বাজঃ প্রতাপবান্। মুহূর্তং চিন্তয়িত্বা তু মন্যুনাভিপরিপ্লুতঃ ॥১২॥
স বিনিশ্চিত্য মনসা পাঞ্চাল্যং প্রতি বুদ্ধিমান্। জগাম কুরুমুখ্যানাং নগরং নাগসাহ্বয়ম্ ॥১৩॥
স নাগপুরমাগম্য গৌতমস্য নিবেশনে। ভারদ্বাজোঽবসত্তত্র প্রচ্ছন্নং দ্বিজসত্তমঃ ॥১৪॥

অদো মুনদ্রি, অতনা দেশগী অমদি সমাজগী চৎনবী নীতি মুন্না খংদ্রি। অদুনা ব্রাহ্মণনি হায়দুনা ঐগুম্বা নিংথৌ অমবু অরাক্পনা মরূপ হায়না হেক মবোবা! ॥৫—৪॥ অপংবা! নংগুম্বা লাইরবা ব্রাহ্মণ অমগা লন-খুম পুকরৈনা থল্লবা চাউরবা নিংথৌ ঐগা মরূপ শান্নবা যাত্রা? ॥৫॥ মতমগী মতুংইন্না মীওইবা হায়বসি হন্থরকই অমদি বংশিল্লকই; অদুগুমদুনা মরূপ ওইবা হায়বা অদুসু মতমগী মতুংইন্না কোমথরকই। মমাংদুদা অদোং ওইরিবদা ওঝা অমত্তদা তম্মিন্নরক্লনা মতম অমদা মরূপ ওইমিন্নরমই হায়বদু মওয়দনা ॥৬॥ অদুগা জগৎ অসিদা কনাগুম্বা মীগী থমোইদা মরূপ ওইবগী প্রেম হায়বসি অজর অমর ওইদুনা খক লৈতে। মরমদি মতমনা মাবু মাংহল্লি, অশাওবনা মাবু ককথৎলি ॥৭॥ ব্রাহ্মণ অথোইবা! অদুদগী মরূপ ওইনবদো হৌজিক মাদু লৈত্রে, অদুমক্তদা ঐহোন্দা নমথাক তৌবিরবী। মরম অদুনা কুইথ্রবা— কাওনথ্রবা, মরূপ ওইবগী প্রেম অদো অমুক কাগে হায়দুনা হোৎনবিরদু। করিগুম্বা কান্নবা অমগী মরমদা শান্নখিবা মরূপনি ॥৮॥ লাইরবগা ইনাক খুনবগা, পণ্ডিতগা মূর্খগা অমসুং পাংদবগা অকনবগা মরূপ থক শান্নবা য়াদবনি। অদুবু মমাংদগী হৌথ্রবা মরূপ ওইবা মতৌ অদুবু অমুক লিংখৎকে হোৎনরিবাসিনা করিগীনো? ॥৯॥ লন-থুম লৈবদা মান্নবা অমা, মতিক মগুণ তৌবদুদা মান্নবা অমা, মখোয় অদুদি অমগা অমগা মরূপগী শান্নে অদুগা শীংনৎনা হাখৎনুখৎনৈ; অদুগা অকনবা অশোনবগা হায়বাসিদি মরূপসু শান্নদে ২ৎসু থংনদে ॥১০॥ অদুগা ব্রাহ্মণগা ব্রাহ্মণ নত্তবগা, মহারথীগা নত্তবগা অমসুং নিংথৌগা নিংথৌ নত্তবগা মরূপ থক শান্নদে। ঐগা মরূপ শান্নরগা করি কংগে থল্লিবগে ॥১১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— দ্রুপদ নিংথৌনা অসুম হায়রবদা মতিক চাউরবা দ্রোণনা ওহাক্তং চিন্তা তৌরগা দ্রুপদগী মথমদা থোইদোক্না অশাওবা উৎখি ॥১২॥ অদুগী মতুংদা মথম মতম মীওং থংলবা শীংলবা দ্রোণনা দ্রুপদ নিংথৌগী মথমদা খুমগলোবা লম্মল অমা মপুক্লিংদা লেপ্লুনা করিমতা হায়রমদনা কৌরবশিংগী হস্তিনাপুর তান্না চৎখি ॥১৩॥ মহাক্না হস্তিনাপুরদা চৎখিদুনা কৌরব অমদি পাণ্ডবশিংগী ওঝা কৃপাচার্য্যগী ময়ুমদা কনাসু কন্দাহ থংদনা লৈখি ॥১৪॥

ততোঽস্য তনুজঃ পার্থান্ কৃপস্যানন্তরং প্রভুঃ। অস্ত্রাণি শিক্ষয়ামাস নাবুধ্যন্ত চ তং জনাঃ ॥১৫॥
এবং স তত্র গূঢ়াত্মা কঞ্চিৎ কালমুবাস হ। কুমারাস্ত্বথ নিষ্ক্রম্য সমেতা গজসাহ্বয়াৎ ॥১৬॥
ক্রীড়ন্তো বীটয়া তত্র বীরাঃ পর্য্যচরন্মুদা। পপাত কূপে সা বীটা তেষাং বৈ ক্রীড়তাং তদা ॥১৭॥
ততস্তে যত্নমাতিষ্ঠন্ বীটামুদ্ধর্ত্তুমাদৃতাঃ। ন চ তে প্রত্যপদ্যন্ত কর্ম্ম বীটোপলব্ধয়ে ॥১৮॥
ততোঽন্যোন্যমবৈক্ষন্ত ব্রীড়য়াঽবনতাননাঃ। তস্যা যোগমবিন্দন্তো ভৃশঞ্চোৎকণ্ঠিতাভবন্ ॥১৯॥
তেঽপশ্যন্ ব্রাহ্মণং শ্যামমাপন্নপলিতং কৃশম্। কৃত্যবন্তমদূরস্থমগ্নিহোত্রপুরস্কৃতম্ ॥২০॥
তে তং দৃষ্ট্বা মহাত্মানমুপগম্য কুমারকাঃ। ভগ্নোৎসাহকৃতাত্মানো ব্রাহ্মণং পর্য্যবারয়ন্ ॥২১॥
অথ দ্রোণঃ কুমারাংস্তান্ দৃষ্ট্বা কৃত্যবতস্তদা। প্রহস্য মন্দং পৈশল্যাদভ্যভাষত বীর্য্যবান ॥২২॥
অহো বো ধিগ্বলং ক্ষাত্রং ধিগেতাং বঃ কৃতাস্ত্রতাম্। ভরতস্যান্বয়ে জাতা যে বীটাং নাধিগচ্ছত ॥২৩॥
বীটাঞ্চ মুদ্রিকাঞ্চৈনামহমেতদপি দ্বয়ম। উদ্ধরেয়মীষিকাভির্ভোজনং মে প্রদীয়তাম্ ॥২৪॥
এবমুক্ত্বা কুমারাংস্তান্ দ্রোণঃ স্বাঙ্গুলিবেষ্টনম্। কূপে নিরুদকে তস্মিন্নপাতয়দনিন্দযঃ ॥২৫॥

অদুগী মতুংদা খুৎলাই তম্বিবা ওন্নবা দ্রোণগী মচা নিপা অশ্বত্থমানা, কৃপাচার্য্যনা শিষ্য পুন্নমকপু তম্বিন্নবা মতুংদা কুন্তীগী মচাশিংবু খুৎলাই তম্বিখি, অতোপ অতোপ্পাশিংনদি মহাকপু মশক খংদে ॥১৫॥ মতৌ অসুম্না দ্রোণনা কৃপাচার্য্যগী ময়ুমদা লোম্না থুপ্না লৈখি। অহগী তুংদা নোংমা, খুৎলাই তম্বিবা নিংথৌ মচাশিং অহনা অমতা ওইনা তিন্নদুনা হস্তিনাপুর কোম্মুংদগী থোরক্লগা লৌবুক্তা ফীবুল কাওবী লংবীনাচিংবা শান্নদুনা কোয়চেল চেন্দুনা মুংশাইনা লৈরম্মি, খংহৌদনা মখোয়গী ফীবুল (কাংজ্রম) অদু লুরবা বুহা অমগী মনুংদা তাখ্রে ॥১৬—১৭॥ অদুগী মতুংদা বুহা অদুদগী কাংজ্রম অদু লৌখৎনবা য়াম্না হোৎনরম্মী, অদুবু লৌখৎনবা করিগুম্বা উপায় অমতা উখিদরে ॥১৮॥ অদুগী তুংদা মখোয় পুমনমক ইকায়বনা মরাই লুকথদুনা মখোই মশেল অমনা অমাগী মমাই য়েংনরক্লে অমসুং করিগুম্বা উপায় অমতা থিবা ফংদ্রবদুদা থোইদোক্না লাংতক্লনা লৈখি ॥১৯॥ মতম অদুমক্তদা মুরৈনরবা মশম ঙৌরবা, ময়াং কংতক তৌবা ব্রাহ্মণ অমা থোইদোক্না লাপ্তনা লৌবুক অদুদা ফমদুনা অগ্নিকুণ্ড অমাবু মাংদা থমদুনা হোম তৌরম্মি ॥২০॥ নিংবা কায়রবা, ঙৌফম থংদ্রবা, নিংথৌগী মচাশিং অহনা য়ামনা আশা তৌনা উরিবা ব্রাহ্মণ অদুগী মনাক তান্না হরাউ হরাউনা চংশিন্লক্লগা ইকোয় কোয়না লেপলুরে ॥২১॥ অদুগী মতুংদা অঙাংশিং অদুগী শান্নবসি লোয়ত্রি হায়বসি খংলদুনা দ্রোণনা যোমোন নোক্লগা—ব্রাকয়দা ঐসু য়ামনা হৈবা মীনি, অসুম হায়দুনা অঙাংশিংদা লংনবগুম হরাউ হরাউনা হায়খি ॥২২॥ করি কায়গনি নখোয়দি। নখোয়বু ক্ষত্রিয় নিংথৌ মচা হায়গনিকো। কৈদৌরুনি নখোয়না নিংথৌ মচা ওইনা পোক্লগা, কায়ত্রে নখোয়না তমলুখিবা খুৎলাই অদো, তৌখিদা নখোয়গী বিদ্যা অদো। ভরতগী বংশদা পোক্লগা কাংজ্রম অসিমতা কাউবা লৌখৎপা ঙমদ্রবা ॥২৩॥ নখোয়গী কাংজ্রম অসে অমগা ঐগী খুদোপ অসিমসু শীংনাং মতেক অসিমতনা লৌখৎপিগে, অদুগা নখোয়না ঐসি চুমিদাং অসিমগী চন্না অমদি পীজবা তাই, করি হায়বগে ॥২৪॥ অসি হায়দুনা দ্রোণনা ঈশিংনা

ততোঽব্রবীত্তদা দ্রোণং কুন্তীপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। কৃপস্যানুমতে ব্রহ্মন্! ভিক্ষামাপ্নুহি শাশ্বতীম্ ॥২৬॥
এবমুক্তঃ প্রত্যুবাচ প্রহস্য ভরতানিদম্। এষা মুষ্টিরৈষিকাণাং ময়াস্ত্রেণাভিমন্ত্রিতঃ ॥২৭॥
অস্য বীর্য্যং নিরীক্ষধ্বং যদন্যস্য ন বিদ্যতে। ভেৎস্যামীষিকয়া বীটাং তামীষিকাং তথান্যয়া ॥২৮॥
তামন্যয়া সমাযোগে বীটায়া গ্রহণং মম। ততো যথোক্তং দ্রোণেন তৎ সর্ব্বং কৃতমঞ্জসা ॥২৯॥
তদবেক্ষ্য কুমারাস্তে বিস্ময়োৎফুল্ললোচনাঃ। আশ্চর্য্যমিদমত্যন্তমিতি মত্বা বচোঽব্রুবন্ ॥৩০॥
মুদ্রিকামপি বিপ্রর্ষে! শীঘ্রমেতাং সমুদ্ধর। ততঃ শরমথাদায় ধনুর্দ্রোণো মহাযশাঃ ॥৩১॥
শরেণ বিদ্ধা মুদ্রাং তামূর্দ্ধমাবাহয়ৎ প্রভু। সশরং সমুপাদায় কূপাদঙ্গুলিবেষ্টনম্ ॥৩২॥
দদৌ ততঃ কুমারাণাং বিস্মিতানামবিস্মিতঃ। মুদ্রিকামুদ্ধৃতাং দৃষ্ট্বা তমাহুস্তে কুমারকাঃ ॥৩৩॥
অভিবাদয়ামহে ব্রহ্মন্! নৈতদন্যেষু বিদ্যতে। কোঽসি কস্যাসি জানীমো বয়ং কিং করবামহে ॥৩৪॥
এবমুক্তস্ততো দ্রোণঃ প্রত্যুবাচ কুমারকান্। আচক্ষধ্বঞ্চ ভীষ্মায় রূপেণ চ গুণৈশ্চ মাম্ ॥৩৫॥
স এব সুমহাতেজাঃ সাম্প্রতং প্রতিপৎস্যতে।
বৈশম্পায়ন উবাচ।
তথেত্যুক্ত্বা চ গত্বা তে ভীষ্মমূচুঃ কুমারকাঃ ॥৩৬॥

থল্লবা কুহা অদুদা খুদোপ অহস্থ থাদখ্রে ॥২৫॥ মতম অদুদা যুধিষ্ঠিরনা হায়খি— পুবচেল চাউরবা। ঐখোয়গী ওঝা কৃপাচার্য্যনা য়ারবদি চাবহুবুদি ফংগনিদা ॥২৬॥ যুধিষ্ঠিরনা অসুম হায়রবদা দ্রোণনা নোক্ত্না অভাংশিং অদুদা হায়খি— য়েংও, খুৎলাইগী মন্ত্রনা হুইমুক্ত শাংবা শীংনাং মতেক অসিদা ঐনা শোল্লবনি ॥২৭॥

নখোয পুম্নমক্না ঐ অসি কয়ামুক হৈবগে হায়বহু য়েংউ, ঐগুম্না হৈবা অমা লৈত্রদনি। অহানবদা শীংনাং মতেক অসিমনা কুহাদা লৈরিবা কাদ্রুম অদুদা থিনগে, য়ুংহনা লৈরিবা শীংনাং অদুদা শীংনাং মতেক অমনা অমুক থিনদুনা, অদুগী মথক্তা অমনা অমুক থিন্দুনা, মতৌ অসুম্না মথং মথং শন্নহনা নখোয়গী কাদ্রুম অসি লৌখৎপীগেকো। দ্রোণনা অসুম হাযরম্লগা হায়খিবা পুম্নমক অহুগুমনা তৌহনা কাংদ্রুম অদু লৌখৎখি ॥২৭—২৯॥ থোংদোক অসি উবদা অঙাংশিং অদু অঙকপগা লোয়নন মমিৎ কুপ্তুনা দ্রোণ লোমদা যেংদুনা লৈরে। অঙকপনি, ওইথোক্তবা মহৈনি অমদি থৌদোনি, অসুম হায়না চপ মান্নবা মপুক্লিংদা থনখি ॥৩০॥ ব্রাহ্মণ! নংদি খুদোপ অহুমসু লৌখৎলো য়েংসি। অদুগী তুংদা শক্তি লৈরবা মিংচৎ চাউরবা দ্রোণনা লিংকং পায়হনা তেঙ্গা থোংদুনা কুহা মহুংদা কাপথখিদুনা তেন্না খুদোপ অহু কোখৎলক্ত্না মথক্তা থাঙ্গৎখি, তেপ্লিম্না কোৎতুনা পুথৎলকপা খুদোপ অদু অঙাংশিং অহুদা পী, অদুদা অঙাংশিং অদুনা অমুক হেন্না ঙকখি, দ্রোণদি থোইনবু ঙক্তনা হায়গুম্না শককম ওল্লহনা অদুম্মক লৈখি। খুদোপ অহু থাঙ্গৎপা উবদা অঙাংশিং অদুনা দ্রোণদা হায়খি ॥৩১—৩৩॥ ব্রাহ্মণ! নংবু ঐখোয়না হয়া হয়া খুরুমজরি নংগী নহৈ অসিগুম্বা কনা অমতনা হৈত্তে, অতৈদি লায়রিঙ্গ নংবু কনানো? কনাগী মীনো? পরিচয় পীবিয়ু ব্রাহ্মণগীদমক ঐখোয়বু করি তৌজো হায়বগে? ॥৩৪॥ অঙাংশিং অদুনা অসুম হায়রবদা দ্রোণনা হায়খি— ঐগী ইশক ইতৌ, শাগৎ শাদা, খিরম অমদি ঐনা তৌরিবা শক্তি অসে নখোয়গী নবুখো ভীষ্মদা হংলুচো মরাইনা থংজগনি ॥৩৫॥ মপ্যাজল নখোনা লৈরবা নিপা

ব্রাহ্মণস্ত বচস্তথ্যং তচ্চ কর্ম বিশেষবৎ। ভীষ্মঃ শ্রুত্বা কুমারাণাং দ্রোণং তং প্রত্যজানত ।।৩৭।।
যুক্তরূপঃ স হি গুরুরিত্যেবমনুচিন্ত্য চ। অথৈনমানীয় তদা স্বয়মেব সুসৎকৃতম্ ।।৩৯।।
পরিপপ্রচ্ছ নিপুণং ভীষ্মঃ শস্ত্রভৃতাং বরঃ। হেতুমাগমনে তত্র দ্রোণঃ সর্ব্বং ন্যবেদয়ৎ ।।৩৮।
মহর্ষেরগ্নিবেশ্যস্ত সকাশমহমচ্যুত।। অস্ত্রার্থমগমং পূর্বং ধনুর্বেদজিঘৃক্ষয়া ।।৪০।।
ব্রহ্মচারী বিনীতাত্মা জটিলো বহুলাঃ সমাঃ। অবসং সুচিরং তত্র গুরুশুশ্রূষণে রতঃ ।।৪১।।
পাঞ্চালরাজপুত্রশ্চ যজ্ঞসেনো মহাবলঃ। ইষ্বস্ত্রহেতোর্ন্যবসত্তস্মিন্নেব গুরৌ প্রভুঃ ।।৪২।।
স মে তত্র সখা চাসীদুপকারী প্রিয়শ্চ মে। তেনাহং সহ সঙ্গম্য রতবান্ সুচিরং প্রভো! ।।৪৩।।
বাল্যাৎ প্রভৃতি কৌরব্য! সহাধ্যয়নমেব চ। স মে সখা সদা তত্র প্রিয়বাদী প্রিয়ঙ্করঃ ।।৪৪।।
অব্রবীদিতি মাং ভীষ্ম! বচনং প্রীতিবর্দ্ধনম্। অহং প্রিয়তমঃ পুত্রঃ পিতুর্দ্রোণ! মহাত্মনঃ ।।৪৫।।
অভিষেক্ষ্যতি মাং রাজ্যে স পাঞ্চাল্যো যদা তদা। ত্বদ্ভোগ্যং ভবিতা রাজ্যং সখে! সত্যেন তে শপে ।।৪৬।।
মম ভোগাশ্চ বিত্তঞ্চ ত্বদধীনং সুখানি চ। এবমুক্ত্বাহথ বব্রাজ কৃতাস্ত্রঃ পূজিতো ময়া ।।৪৭।।

অদুতনা ঐগী ইশক থংগনি, অতুগা ঐনা লাকপগী মরমসু থংগনি। "যরে অতুমত্তাইরে" অসুম হাইনা চৎখিদুনা ভীষ্মদা তম্মুরে ।।৩৬।। থোকখ্রিবা থৌদোক অদু তম্মুরগা মথোয়না অমুক ভীষ্মদা হায়খি— ইবুধৌ! ব্রাহ্মণ অহুনা মানা হায়খ্রিবা ওইথোক্তবা ষ্বাভাং অদুগী মতুং ইন্না থবক্তা উত্তুনা তৌখ্রিবা থৌদোকশিং অদু উবদা ঐথোয় চান্নবা ঙকখ্রে, মিচম অমনা ঙম্বা থবক নত্তে। নিংথৌ মচাশিংগী ষ্বা অদু তাবদা ভীষ্মনা দ্রোণ ওইরিনি হায়বা হেক্তা খংখি ।।৩৭।। খুৎলাই হৈবা অকনবা পুম্নমক্কী অথোইবা ভীষ্মনা দ্রোণ হায়বা ব্রাহ্মণ অসিমক্তনা ইশুশিং রাজকুমারশিং অসিগী মতিক চাবা গুরু ওইরগদবনি, অসুম হায়না খল্লদুনা মতম অহুমক্তদা মশামক্না দ্রোণগী মফমদা চত্তুনা নিংখিনা তরাম তরাম্না লুনা তৌহনা দ্রোণবু কোন্দুনা পুশিল্লকই অমসুং লাকপগী মরম হংখি। মতম অহুদা দ্রোণনা মরম পুম্নমক তমখি ।।৩৮—৩৯।।

ষ্বাশক চেৎলবা অকনবা! ঐ অসি মমাংঙৈদা ধনুর্বেদ তমগে হায়দুনা মহর্ষি অগ্নিবেশ্যগী মফমদা চৎলি ।।৪০।। ঐনা মহাক্কী আশ্রমদা চত্তুনা ব্রহ্মচারী ওইদুনা ইন্দ্রিয় খুদুম চন্দুনা, উকুশেং জটা পুদুনা গুরুগী সেবাদা পুক্নিং চংদুনা চহি কয়াম্না লৈরকই ।।৪১।। মতম অহুদা পাঞ্চাল নিংথৌগী মচানিপা মপাঙ্গল কল্লবা দ্রুপদ হায়ব অদুসু খুৎলাই তমগে হায়দুনা আশ্রম অদুদা লৈ ।।৪২।। মহাক অসি ঐগী চান্নবা মরূপ৬ কায়বদা তৌমিন্নবা অমদি নুংশিনবম ওইরবা মীশক অমা ওইরম্মি। অদুনা ঐনা মাগা লোয়ননা আশ্রম অমদা লৈদুনা খুৎলাই তম্মিন্নরম্মনি ।।৪৩।। দেবব্রত! অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মরুম অমতনা লৈদুনা ইহৈ তম্মিন্নরক্লবা, নুংশিবা অথুম্বা ষ্বাহৈত ভাংলবা দ্রুপদ কৌবা মরূপ অদুনা মতম লৈনাখিরিবদা ঐতোন্দা নুংশিনবম ওইরবা ষ্বাহৈ অসি" হায়খিবনি— "মরূপ দ্রোণ! ঐ অসি ইপা নিংথৌগী নুংশিজরবা মচা অমনি ।।৪৪—৪৫।। মরম অদুনা ইপা পাঞ্চাল নিংথৌনা ঐবু নিংথৌগী পুন্নদা অভিষেক তৌবা মতমদা ঐগী ইরৈবাক অদো নংগী গুন্ননিদো মরূপ! ঐ ষ্বাশকদুনা হায়রিবা অসিনি ।।৪৬।। অদুগা হেক লৈরিবা সনা লুপা লল-থুম পুম্বা নংগী

তস্য বাক্যমহং নিত্যং মনসা ধারয়ংস্তদা। সোঽহং পিতুর্নিয়োগেন পুত্রলোভাদ্যশস্বিনীম্ ॥৪৮॥
নাতিকেশীং মহাপ্রজ্ঞামুপযেমে মহাব্রতাম্। অগ্নিহোত্রে চ সত্রে চ দমে চ সততং রতাম্ ॥৪৯॥
অলভদ্গৌতমী পুত্রমশ্বত্থামানমৌরসম্। ভীমবিক্রমকর্ম্মাণমাদিত্যসমতেজসম্ ॥৫০॥
পুত্রেণ তেন প্রীতোঽহং ভরদ্বাজো ময়া যথা। গোক্ষীরং পিবতো দৃষ্ট্বা ধনিনস্তত্র পুত্রকান্।
অশ্বত্থামাঽরুদদ্বালস্তন্মে সম্মোহয়দ্দিশঃ ॥৫১॥
ন স্নাতকোঽবসীদেত বর্ত্তমানঃ স্বকর্ম্মসু। ইতি সঞ্চিন্ত্য মনসা তং দেশং বহুশো ভ্রমন্ ॥৫২॥
বিশুদ্ধমিচ্ছন্ গাঙ্গেয়! ধর্ম্মোপেতং প্রতিগ্রহম্। অন্তাদন্তং পরিক্রম্য নাধ্যগচ্ছং পয়স্বিনীম্ ॥৫৩॥
অথ পিষ্টোদকেনৈনং লোভয়ন্তি কুমারকাঃ। পীত্বা পিষ্টরসং বালঃ ক্ষীরং পীতং ময়াপি চ ॥৫৪॥
ননর্ত্তোত্থায় কৌরব্য! হৃষ্টো বাল্যাদ্বিমোহিতঃ। তং দৃষ্ট্বা নৃত্যমানন্তু বালৈঃ পরিবৃতং সুতম্ ॥৫৫॥

নথুম্বা লৈগদবনি। অস্নুম হায়দুনা খুৎলাইদা মতিক চানা শিক্ষা ফংলবা দ্রুপদনা ঐগা তরাম তরাম তৌমিন্নদুনা গুরুগী আশ্রমদগী বিদায় তৌনদুনা চৎখিবনি।'৪৭॥ ঐস্নু মতম অয়াম্বদা মানা হায়খিবা বা অদুদা থাজদুনা অস্নুম লৈ, ইপাগী য়াথং মতুংইন্না গৃহস্থ ধর্ম্মদা মিংচৎ লৈরবী কন্যা অমা লুহোংদুনা লৌই; ঐগী মুপী অদুগী মশক অদু অদুক য়াম্না ফজদে, অদুমদি ওইরবদা মশক থীরবসু ব্রত উপাসনাদা পুক্নিং চংলবী ওইদুনা ঐনা তৌবা ধর্ম্ম কর্ম্ম মজ্জনাচিংবদা ইন্দ্রিয় থুদুম চন্দুনা মতম অয়াম্বদা ঐগী লোয়নবী ওই।।৪৮—৪৯॥ গৌতম বংশদা পোক্লবী ঐগী ভার্য্যা অদুনা ঐগী ঔরসদগী অশ্বত্থামা কৌবা মচা অমা ফংজরে, হৌজিক্তি ইচা অদুনা মহে মশিং মতিক মগুণদা মমান্নবা অমনা অকিবা ফংলবা মীশক অমা ওইরে, সুমিৎকী মতৌগুম্না তেজ লৈরে ॥৫০॥ ঐগী ইপা ভরদ্বাজনা ঐবু নুংশিবীবা পেনবিবা অদুগুম্না, ঐস্নু মহাকপু উবদা পেনজরে অমদি য়াম্না নুংঙাইজরে। নোংমা ঐগী ইচানিপা অঙাং অসি, ঐখোয়গী লৈকাইদা লৈবা কনাগুম্বা ইনাকখুনবা নিপা অমগী মচাশিংনা সঙ্গোম থকপদু উকরে, অদুদা মাস্নু থকনিংদুনা মমিৎ নোইরদুনা কপ্পুনা লাকপদু উবদা ঐস্নু লাইরবগী অবাবা নুংঙাইতবনা মায়কৈ শলাই থংখিদরে, নুংঙায়রতবনা প্রোক-প্রোক চাকই ॥৫১। অদুগী মতুংদা ধর্ম্মদা পুক্নিং চংবা, গৃহস্থ ওইবা ব্রাহ্মণ অমনা মীনা নিন্দা তৌনিংঙাই ওইরবা, অতোপ্পদগী নিঙ্গ থোৎলুদুনা হায়জকদুনা মচা মগু য়োক্তুনা গৃহস্থ ধর্ম্মবু মাংথোক্তলোইদবনি হায়বা ধর্ম্মগী পাউতাক অসি থম্দুনা লৈবাক অদুদা কোয়চৎ চত্তুনা ঐ অসি লৈরক্লবনি। অমুক কন্নি হায়রুনি, পাপ য়াওদ্রবা, ধর্ম্ম থোক্লবা, মশানা য়ানা পুথোরক্তুনা কৎলবা দান অমতং কংদ্রা হায়দুনা লৈবাক অদুগী মকম পুম্নমক্তা কোয়চৎ চত্তুনা য়েংববু মচা ফেন্নবী, মথোম শুন্নিবী, মশবী অমত্তা থিদনু কংমমতৈখিদরে ॥৫২—৫৩॥ অদুগী মতুংদা কৈরোম লৈকায়গী অঙাংশিংনা চেংহি উৎতুনা অশ্বত্থামাবু লানল্লনা পাম্বনসই; অঙাং ওইরিবা অশ্বত্থামানস্নু চেংহি অদু লোদুনা থক্লগা "ঐস্নু সঙ্গোম থক্রে" হায়দুনা অঙাংগী হৌনবা অচুম অরান খংদবা স্বভাব অদুনা মরম ওইদুনা চোংল চোংথদুনা জগোই শাই। মতম অদুদা অঙাংশিং অদুনা জগোই শাব্বিবা অশ্বত্থামাবু উবগা কোয়রেল লেপ্পুনা খুবাক খুনা লংনরকই; অদুদা ইচাগী মতৌ অদু উবদা ঐগী পুক্নিংদা ওয়োকনা হংকাইতনা অমসুং পুক্নিং

হ্যস্তমুপসম্প্রাপ্তং কশ্মলং তত্র মেঽভবৎ। দ্রোণং ধিগস্ত্বধনিনং যো ধনং নাধিগচ্ছতি ॥৫৬॥
পিষ্টোদকং সুতো যস্য পীত্বা ক্ষীরস্য তৃষ্ণয়া। নৃত্যতি স্ম মুদা যুক্তঃ ক্ষীরং পীতং ময়েতি হ ॥৫৭॥
ইতি সম্ভাষতাং বাচং শ্রুত্বা মে বুদ্ধিরচ্যবৎ। আত্মানঞ্চাত্মনা গর্হন্ মনসেদং ব্যচিন্তয়ম্ ॥৫৮॥
অপি চাহং পুরা বিপ্রৈর্বর্জিতো গর্হিতো ভৃশম্। পরোপসেবাং পাপিষ্ঠাং ন চ কুর্য্যাং ধনেপ্সয়া ॥৫৯॥
ইতি মত্বা প্রিয়ং পুত্রং ভীষ্মাদায় ততো হ্যহম্। পূর্ব্বস্নেহানুরাগিত্বাৎ সদারঃ সৌমকিং গতঃ ॥৬০॥
অভিষিক্তন্তু শ্রুত্বৈব কৃতার্থোঽস্মীতি চিন্তয়ন্। প্রিয়ং সখায়ং সুপ্রীতো রাজ্যস্থং সমুপাগমম্ ॥৬১॥
সংস্মরন্ সঙ্গমঞ্চৈব বচনঞ্চৈব তস্য তৎ। ততো দ্রুপদমাসাদ্য সখিপূর্ব্বমহং প্রভো! ॥৬২॥
অব্রুবং পুরুষব্যাঘ্র! সখায়ং বিদ্ধি মামিতি। উপস্থিতস্তু দ্রুপদং সখিবচ্চাপি সঙ্গতঃ ॥৬৩॥
স মাং নিরাকারমিব প্রহসন্নিদমব্রবীৎ। অকৃতেয়ং তব প্রজ্ঞা ব্রহ্মন্! নাতিসমঞ্জসা ॥৬৪॥
যদাত্থ মাং ত্বং প্রসভং সখা তেঽহমিতি দ্বিজ!। সঙ্গতানীহ জীর্য্যন্তে কালেন পরিজীর্য্যতঃ ॥৬৫॥

সুংশিবা পোকখি। (অঙাংশিং অতুনা অসুম অমুক করি হায়খিবগে হায়ববু) লাইংবা দ্রোণ তোল্লিদা। মচা সঙ্গোম পিথকপা ভন্নবা শেল কাউবা তানবা ভমন্ত্রবা। ॥৫৪—৫৬॥ মহাক্কী মচানবু সঙ্গোম থকনিংমনখ্রভুনা চেংমহি থক্লগা সঙ্গোম থক্লে হায়বঙন হরাউহনা জগোই শাব্রিবা কয়া নোক্লিংখ্রবনো ? ॥৫৭॥ মমান্নবা অঙাংশিংনা অসুম্না নোক্লবসিদা মুংঙাইমনখিদ্রভুনা ঐগী পুক্লিং অসে মক্কম ইথং থংখিদ্রে। অদুগী তুংদা ঐসু ইশা ইথত্তবু তোল্লিদ পাংদেদা, অসুম হায়না নিন্দা তৌদুনা পুক্লিংদা অসুম খল্লে ॥৫৮॥ ঐ অসি ক্ষত্রিয়গী বিদ্যা তম্মি, ব্রাহ্মণগী মথৌ তৌদে অসুম হায়দুনা মমাংদৌদা লৈকোক লৈকায়গী ব্রাহ্মণশিংনা নিন্দা তৌরম্মি অমসুং নোক্লরম্মি। অদুনা হৌজিক অমুক শেল ফংননবনি হায়দুনা পাপ পুননবগী মশক ওইরবা অতোপ্পগী মীনাইগী মতৌগুম সেবানচিংবা তৌরবা অসিদদি মতৌখ্ররোই ॥৫৯॥ দেবব্রত। অসুম হায়না ঐনা পুক্লিংদা খল্লদুনা মুংশিরবা ইচা অশ্বত্থামাগা মমাগা লোয়ননা, মমাংদৌদা মুংশিনরম্বা অহ থন্দুনা শেল-থুম থরদং ষংগত্রা হায়দুনা দ্রুপদগী মফমদা চৎলুই। ৬০॥ মফম অদুদা চৎলুবা মতমদদি দ্রুপদদি নিংথৌ ওইদুনা অভিষেক তৌনা নিংথৌ ওইরে হায়বসি তারে, মাদু তাবদা ঐসু মুংজাবরেদা নিংবা থুংলেদনা অসুম হায়না খল্লি, অদুন, ঐসু য়াম্না মুংঙাইনা ঐগী চান্নবা মরুপ দ্রুপদগী মফমদা থুংলুলে ॥৬১॥ অদুগী তুংদা, মমাংদৌদা আশ্রম অমতদা লৈমিন্নরম্বা, আশ্রমদা লৈরিদৌদা মহাক্না হায়রম্বা বা পুন্নমক অহ নিংশিংদুনা হান্নগী মতৌগুম তরাম তরামনা খোঙাক নাইদনা হায়কই—মীগী মনুংদা অথোইবা ওইরবা! অগদৌগী চান্নববা মরূপ দ্রোণ হায়বদো অহমক্তি হায়না ঐবু খল্লু। অসি হায়রগা মহাক্তি মনাক্তা হান্নগী মরূপ ওইবগী ভাবতা কোয়নগে হায়দুনা হেক চংশিল্লুই ॥৬২—৬৩॥ মতম অদুদা দ্রুপদনা করেমননা নোক্তুনা ঐভোন্দা করি হায়রকপগে হায়বদু—ব্রাহ্মণ। মপুংফানা শিংদা কংদবনা নংগী নবুদ্ধি অদো হৌজিক কাওবা মুদ্রি; অদুনা মেগনী, সমাজগী অমদি নিংথৌগী ব্যবহারগী নীতি করিমতা থংদ্রি ॥৬৪॥ ব্রাহ্মণ। ননা ঐবু আয়াক্কমা—"ঐ অসি নংগী মরূপ্নি" হেক মহায়রবা। তাও ব্রাহ্মণ। মীওইবনা অসুম অসুম মতমগী মতুংইন্না কংশিল্লকপ অদুগুম্বদুনা মরূপ ওইবগী মওং মতৌ প্রেমনাচিংবসু মতমগী মতুং

সৌহৃদং মে ত্বয়া হ্যাসীৎ পূর্ব্বং সামর্থ্যবন্ধনম্। নাশ্রোত্রিয়ঃ শ্রোত্রিয়স্য নারথী রথিনঃ সখা ॥৬৬॥
সাম্যাদ্ধি সখ্যং ভবতি বৈষম্যান্নোপপদ্যতে। ন সখ্যমজরং লোকে বিদ্যতে কস্যচিৎ ক্বচিৎ ॥৬৭॥
কালো হ্যেনং বিহরতি ক্রোধো বৈনং হরত্যুত। মৈবং জীর্ণমুপাসস্ব ত্বং সখ্যং ভবতূপাধিকৃৎ ॥৬৮॥
আসীৎ সখ্যং দ্বিজশ্রেষ্ঠ! ত্বয়া মেহর্থনিবন্ধনম্। ন হ্যনাঢ্যঃ সখাঢ্যস্য নাবিদ্বান্ বিদুষঃ সখা ॥৬৯॥
ন শূরস্য সখা ক্লীবঃ সখিপূর্ব্বং কিমিষ্যতে। নহি রাজ্ঞামুদীর্ণানামেবম্ভূতৈর্নরৈঃ ক্বচিৎ ॥৭০॥
সখ্যং ভবতি মন্দাত্মন্! শ্রিয়া হীনৈর্ধনচ্যুতৈঃ। নাশ্রোত্রিয়ঃ শ্রোত্রিয়স্য নারথী রথিনঃ সখা ॥৭১॥
নারাজা পার্থিবস্যাপি সখিপূর্ব্বং কিমিষ্যতে। অহং ত্বয়া ন জানামি রাজ্যার্থে স বিদং কৃতাম্ ॥৭২॥
একরাত্রন্তু তে ব্রহ্মন্! কামং দাস্যামি ভোজনম্। এবমুক্তস্ত্বহং তেন সদারঃ প্রস্থিতস্তদা ॥৭৩॥
তাং প্রতিজ্ঞাং প্রতিজ্ঞায় যাং কর্ত্তাহস্ম্যচিরাদিব। দ্রুপদেনৈবমুক্তোঽহং মন্যুনাভিপরিপ্লুতঃ ॥৭৪॥
অভ্যাগচ্ছং কুরূন্ ভীষ্ম! শিষ্যৈরর্থী গুণান্বিতৈঃ। ততোঽহং ভবতঃ কামং সংবর্দ্ধয়িতুমাগতঃ ॥৭৫॥

ইরা কংশিল-খুইজিন্নকপনি থংডু ॥৬৫॥ মমাংদ্রৈদা তশিমরিদ্রৈদা নংগা ঐগা মরূপ ওইমিন্নরম্বতনি। অদুবু ব্রাহ্মণগা ব্রাহ্মণ নত্তবগা, রথীগা রথী নত্তবগা মরূপ থক ওইনবা হৌনদে ॥৬৬॥ অদুগা মরূপ ওইনবা হায়বসি মতিক মগুণদা. মশক মতৌদা, মরল মথুমদা মায়খুৎবাশিং অদুগী মঙ্গুংদা থোক্লবনি। খজিক্কুং মাম্নদবদা মরূপ ওইনবা য়াব পোৎ নত্তে। অদুনা জগৎ অসিদা করিগুম্বা মতম মফমদা কনাগুম্বগী অমগা মরূপ ওইনবনা তুংকোইনা লেংদনা লৈবা হায়বদু অমত্তা যাওদে ॥৬৭॥ মতম কৌবা লাইনা মাহুবু হেক্তা মাংহনখি, নত্রগা অশাওনগী মৈনা মাহৃবু মিৎকুপ্তা চাকথেক্তুনা মাংহল্লি। করিগুম্বা মরম অমগী দমক মতম থম্ন নংগা ঐগা মরূপ ওইরম্মি, মাদো হৌজিক্কি কংখে,, মাংখ্রে। অদুনা নং হৌজিক ঐগী ইফমদা করিগুম্বা মরম অমগী চংলকপা ইত্তৌ তৌরগনু ॥৬৮॥ ব্রাহ্মণ অথোইবা! মতম থরগীদমক নংগা ঐগা মরূপ ওইমিন্নরম্বনি। অদুবু মুম্না থিজিন্নুরবদি লাইরবগা ইনাক খুনবগা, পণ্ডিতকা মূর্খগা থক মরূপ শান্নবা হৌনদে ॥৬৯॥

অদুগা, অযম্বা, পাংদবগা অকনবগা থক মরূপ ওইবা য়াদে। করে, মাসি পুম্নমকসি লৈখিদ্রবু মমাংদ্রৈগী ওইনখিবা মরূপ অহবু হৌজিক হোদোক্লরিবা অসিনা করিগীনো? অপংবা! লাইরবা অমদি নিংথৌ মুংভায়তবা মীগা কৈদৌদ্রৈদসু অচৌবা—চাউখৎলবা নিংথৌগা মরূপ ওইবা য়ারোই, প্রমাণ অমদি ব্রাহ্মণগা ব্রাহ্মণ নত্তবাগা, রথীগা রথী নত্তবগা মরূপ শান্নবা য়াদবা অদুগুম্বনি ॥৭০ ৭১॥ অসিগুম্বদুনা নিংথৌগা নিংথৌগা মরূপ শান্নবনি, নিংথৌ নত্তবগা নিংথৌগা মরূপ ওইনদবনি। করে অসি পুম্নমক তোকখো, ঐগা মরূপ শান্নরগা করি তৌগে, করি ফংগে নিংবিবগে? করিগুম্বা অত্তবরা ঐনা নিংথৌগী থক্কী অমদি লৈবাক্কী মরমদা নহাক্কা থোইদোকপা ওয়াংলখিরা অমা লৈখিবরা হায়বসি পুক্নিংদা লাম্ব ফংস্রি ॥৭২॥ অদুমদি ওইরবদা ওসিগীদমক্তি চরা অমত্তং হেক হায়রিংবা অহ কথকনি। দ্রুপদনা অসুম হায়রকপা অদুদা ঐস্মু ইকায়বা অমদি শুংভাইতবনা মাংওইনদুনা ইচাগা মুপীগা পুদুনা করিস্থ করিস্থ হায়রমদনা তুশিন্না থোরকই ॥৭৩॥ দ্রুপদনা উশিন্দুনা ফংলেদুনা ওয়াংখিবা হায়বং অদুনা ঐস্থ মুংভাইমনদুনা শাওরনা— কদদি থুনা মাম্নল পুমগেদো অমুম হায়না, য়ামাগুম্না

ইদং নাগপুরং রম্যং ব্রূহি কিং করবাণি তে।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তস্তদা ভীষ্মো ভারদ্বাজমভাষত ॥৭৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

অপজ্যং ক্রিয়তাং চাপং সাধ্বস্ত্রং প্রতিপাদয়। ভুঙ্ক্ষ্ব ভোগান্ ভৃশং প্রীতঃ পূজ্যমানঃ কুরুক্ষয়ে ॥৭৭॥
কুরূণামস্তি যদ্বিত্তং রাজ্যঞ্চেদং সরাষ্ট্রকম্। ত্বমেব পরমো রাজা সর্বে চ কুরবস্তব ॥৭৮॥
যচ্চ তে প্রার্থিতং ব্রহ্মন্! কৃতং তদিতি চিন্ত্যতাম্। দিষ্ট্যা প্রাপ্তোঽসি বিপ্রর্ষে! মহান্ মেঽনুগ্রহঃ কৃতঃ ॥৭৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সম্ভবে ভীষ্মদ্রোণসমাগমো নাম সপ্তবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(*):——

কুরুদেশ অসিদা লাক্লিবা অসিনি। অদুনা ভীষ্ম! মতিক মগুণ চাউবা কল্লবা শিন্ন অমতং খিদুনা ঐনা নিংলিবা অসিতদি থুংলমগে হায়দুনা নিংখিজরবা, অকন অথৌনা তিল্লবা হস্তিনাপুর অসিদা লাক্লিবা অসিনি। অহনা হায়বিয়্, তাকপিয়্, অসিগী উপায অমতং করি তৌসিগে। বৈশম্পায়ননা হায়খি— দ্রোণনা অসুম হায়রবদা ভীষ্মনা অসুম হায়খি ॥৭৪—৭৬॥ ভীষ্মনা হায়খি— পুকচেল চাউরবা! লীরি অদু লৌথোকপিখো, পোথাবিয়্, কুরু শাগেগী অভাংশিং অস্লিবু খুৎশু খুৎলাই তম্বিহনা লৈবিয়্, কোমুং অসিদা লৈবিদুনা ঐখোয় খ্বাইগী ইকায় খুম্নকম ওইদুনা হানিংবা পুন্নমক হাদুনা মুংভাইনা লৈথোকপিয় ॥৭৭॥ কৌরবশিংগী লৈরিবা লন-থুম, নিংথৌ খুভম অমদি লৈবাক অসি পুন্নমক্কী থাজৈশেংবা মপু ওইদুনা অভাংশিংবু ব্বারক ব্বাতেমবিনো লৈবিয়্, কৌরব পুন্নমক ব্রাহ্মণগী, মথা পোন্দুনা লৈগনি ॥৭৮॥ ব্রাহ্মণ! নিংথৌ দ্রুপদগী মফমদা লম্বুল খুমগে হায়না নিংবিরিবদো ৺ুব্লবনি হায়না খনখিরো। হে বিপ্রর্ষি! ঐখোযগী ইরাইবক ফদনা ঙসি ব্রাহ্মণবু ৺ংজরবনি, ব্রাহ্মণনসু খোংথেংনা লেংবিরক্লবনি। ঐখোইবু চানবিদুনা হায়জরিবসে য়াবিয়্ ॥৭৯॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংব সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা ভীষ্ম দ্রোণসমাগম কৌবা ম্ব্রচামা কুনতরেৎ শুবা অধ্যায় লোযরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে দ্রোণশিষ্যপরীক্ষা ।

(মীয়োল-নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা দ্রোণশিষ্যপরীক্ষাগী ৱারী)

(চামা কুমনিপান শুবা অধ্যায়)

—:(0).—

প্রতিজগ্রাহ তং ভীষ্মো গুরুং পাণ্ডুসুতৈঃ সহ । পৌত্রানাদায় তান্ সর্বান্ বসূনি বিবিধানি চ ॥১॥
শিষ্যা ইতি দদৌ রাজন্! দ্রোণায় বিধিপূর্ব্বকম । তদা দ্রোণোঽব্রবীদ্বাক্যং ভীষ্মং বুদ্ধিমতাং বরম্ ॥২॥
কৃপস্তিষ্ঠতি চাচার্য্যঃ শস্ত্রজ্ঞঃ প্রাজ্ঞসম্মতঃ । ময়ি তিষ্ঠতি চেদ্বিপ্রো বৈমনস্যং গমিষ্যতি ॥৩॥
যুষ্মান্ কিঞ্চিচ্চ যাচিত্বা ধনং সংগৃহ্য হর্ষিতঃ । স্বমাশ্রমপদং রাজন্! গমিষ্যামি যথাগতম্ ॥৪॥
এবমুক্তং তু বিপ্রেন্দ্রং ভীষ্মঃ প্রহরতাং বরঃ । অব্রবীদ্ দ্রোণমাচার্য্যমুখ্যং শস্ত্রবিদাং বরম্ ॥৫॥
কৃপস্তিষ্ঠতু পূজ্যশ্চ ভর্ত্তব্যশ্চ ময়া সদা । ত্বং গুরুর্ভব পৌত্রাণামাচার্য্যস্ত্বং মতো মম ॥৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ততঃ সম্পূজিতো দ্রোণো ভীষ্মেণ দ্বিপদাং বরঃ । বিশশ্রাম মহাতেজাঃ পূজিতঃ কুরুবেশ্মনি ॥৭॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— ভীষ্মনা দ্রোণবু খুৎলাইগী গুরুনি হায়না 'লৌখি অমসুং চাব থকপা কীরোন পুম্নমক ৱাত্তনবা হুনগনি হায়না ৱাশক্নুনা অমদি পাণ্ডুগী মচাশিংগা লোয়ননা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংবু অমদি অতে অতে মচা মগুশিং পুম্নমকপু দ্রোণগী শিষ্য ওইহন্দুনা মহাকী মখুত্তা শিন্নগে হায়না লেপখ্রে। মতম অদুদা দ্রোণনা শিংলবা ভীষ্মগী মফমদা হায়খি ॥১—২॥ খুৎশু খুৎলাই লোইনা খংলবা হৈরবা অমদি অহে অশিং পুম্নমক্না ইকাই খুম্নরবা কৃপাচার্য্যনা খ্বাই পুম্নমকী গুরু ওইদুনা লৈবিরি, মতাং অসিদা মাগী শিষ্যশিং অসিবু ঐঙোন্দা অমুক শিন্নবিরবদি কৃপাচার্য্যনা ওন্থোক্না মুংঙাইখ্রোই ॥৩॥ অদুনা নহাকী নফমদা ললথুম খরদং নিংনা লৌকরগা মাত্থ পুদুনা মুংঙাইনা ঐগী আশ্রমদা চৎচখ্রগে ॥৪॥ দ্রোণনা অসুম হায়রবদা অকনবগী মকোক ওইবা ভীষ্মনা খুৎলাই হৈবাশিংগী মসুংদা অথোইবা অমদি থোইনা তশিনবা হৈরবা দ্রোণদা হায়খি ॥৫॥ কৃপাচার্য্য অদুসু অহম লৈবিসনু, মহাকপুসু মতম লৈবাখিবিক্তা ইকায় খুম্নদুনা অদুম্মক থমগনি, য়োক থাকনি। ইচা ইশুশিং অসিগী থাজৈশেংবা ওঝাতদি ব্রাহ্মণনা ওইবিয়ু। মরম্নদি ঐগী ৱাথুন্দা ব্রাহ্মণতনা রাজকুমারশিং অসিগী মতিক চাব ওঝানি ॥৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগ্রি হায়রগা ভীষ্মনা অত্তোপ অতোপ্পা কুরুগী অহল লম্মল খরগা তাম্নহনা য়ানদুনা কনখোরবা ব্রাহ্মণ অথোইবা দ্রোণবু আচার্য্য ওইনা ইকায় খুম্ননা হাপখ্রবদা, কুরুগী ইমুং মসুং মরক্তা মাদুগী মুসিতগী পোথাদুনা লৈবা য়ৌখি

বিশ্রান্তেঽথ গুরৌ তস্মিন্ পৌত্রানাদায় কৌরবান্। শিষ্যত্বেন দদৌ ভীষ্মো বসূনি বিবিধানি চ ॥৮॥
গৃহঞ্চ সুপরিচ্ছন্নং ধনধান্যসমাকুলম্। ভারদ্বাজায় সুপ্রীতঃ প্রত্যপাদয়ত প্রভুঃ ॥৯॥
স তান্ শিষ্যান্ মহেষ্বাসঃ প্রতিজগ্রাহ কৌরবান্। পাণ্ডবান্ ধার্ত্তরাষ্ট্রাংশ্চ দ্রোণো মুদিতমানসঃ ॥১০॥
প্রতিগৃহ্য চ তান্ সর্ব্বান্ দ্রোণো বচনমব্রবীৎ। রহস্যেকঃ প্রতীতাত্মা কৃতোপসদনাংস্তদা ॥১১॥
কার্য্যং মে কাঙ্ক্ষিতং কিঞ্চিদ্ধৃদি সম্পরিবর্ত্ততে। কৃতাস্ত্রৈস্তৎ প্রদেয়ং মে তদৃতং বদতানঘাঃ! ॥১২॥
তচ্ছ্রুত্বা কৌরবেয়াস্তে তূষ্ণীমাসন্ বিশাম্পতে। অর্জ্জুনস্তু ততঃ সর্ব্বং প্রতিজজ্ঞে পরন্তপঃ ॥১৩॥
ততোঽর্জ্জুনং তদা মূর্দ্ধ্নি সমাঘ্রায় পুনঃ পুনঃ। প্রীতিপূর্ব্বং পরিষ্বজ্য প্ররুরোদ মুদা তদা ॥১৪॥
অশ্বত্থামানমাহূয় দ্রোণো বচনমব্রবীৎ। সখায়ং বিদ্ধি তে পার্থং ময়া দত্তঃ প্রগৃহ্যতাম্ ॥১৫॥
সাধু সাধ্বিতি তং পার্থঃ পরিষ্বজ্যেদমব্রবীৎ। অদ্য প্রভৃতি বিপ্রেন্দ্র! পরবানস্মি ধর্ম্মতঃ ॥১৬॥
শিষ্যোঽহং ত্বৎপ্রসাদেন জীবামি দ্বিজসত্তম!। ইত্যুক্ত্বা তু তদা পার্থঃ পাদৌ জগ্রাহ পাণ্ডবঃ ॥১৭॥
ততো দ্রোণঃ পাণ্ডুপুত্রান্ শস্ত্রাণি বিবিধানি চ। গ্রাহয়ামাস দিব্যানি মানুষাণি চ বীর্য্যবান ॥১৮॥

॥৭॥ অদুগী তুংদা দ্রোণাচার্য্যনা ঙহাক পোঁথারবা তুংদ ভীষ্মনা যুধিষ্ঠির, দুর্য্যোধননাচিংবা মশুশিংবু পুরক্লুনা শিষ্য ওইরবনি হায়না দ্রোণগী মখুত্তা শিন্নখি অমদি মখল মখা অয়াম্বা ফিরে ন সনা-লুপা পুম্নমক দান-দক্ষিনা তৌখ্রে ॥৮॥ শক্তি লৈরবা ভীষ্মনা সনা-লুপা কোঁচেংনা থল্লবা অমসুং নিংখিজরবা তরু-তরুবা য়ুম অমা দ্রোণগীদমক্তা লৈননবা দান তৌখি ॥৯॥ মাহুদা পেনখ্রুনা থুংলাই হৈরবা দ্রোণাচার্য্যনা পাণ্ডু অমদি ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংবু মহাক্কী শিষ্য ওইনা হরাউ করাউনা লৌশিলখি ॥১০॥ অদুগী তুংদা মথল্লাই শুত্তাইরবা দ্রোণাচার্য্যনা অচীকপা লঙ্কাং অমদা মাগী শিষ্য ময়াম অদুবু পুক্কনা চংখি অদুগা মহাক্কী মনাক্তা লেপলিবা অত্তাংশিং অহুদা হাসি হায়খি ॥১১॥ পাপ য়াওদ্রবা নিংথৌ মচা পুম্নমক! মুন্ন তাও ঐ হা হায়গে। ঐগী পুক্কিংদা লেপখ্রবা অপাম্বা অমত্তং লৈরে। হয়েং নথোয়না য়াম্না হৈরবা মতমদা মাদু থুংহনগনি হায়না সত্য তৌ ॥১২॥ মহারাজ! হাসিতাবদা অত্তাংশিং অদু থুমকম খংদনা তুম্মিন তুম্মিন লেপ্পুনা লৈখি, <u>মরক অহুদগী য়েক্কবা পুম্নমক মাংহন্নবগী মশক ওইরবা অর্জ্জুননা গুরু দ্রোণগী মফমদা ঐনা শোয়দনা ঙমগনি হায়না হাশকখি।</u> ১৩॥ মতম অদুদা দ্রোণাচার্য্যনা পেনমনখ্রুনা সুংশিবগা লোয়ননা অর্জ্জুনগী মকোক্তা নান্দুনা অমদি মনম নমহনা কোনশিন্দুনা সুংত্তাইবগী পি শিন্থখি ॥১৪॥ দ্রোণনা মচা অশ্বত্থামাবু কৌহুনা হা অসি হায়খি— ইবুংঙো! অর্জ্জুন হায়বসে নংগী মরূপনি হায়না খংঙু, মীশক অসি ঐনা নংঙোন্দা মরূপ ওইননবা পিরবনি, মরূপ অসিবু লৌশিনু ॥১৫॥ মতম অদুদা অর্জ্জুননা লাইবক ফবনি সুংত্তাইবনি হায়দুনা অশ্বত্থামাদা চংশিন্দুনা সুংশিনা কোনখি অমসুং হায়খি— ব্রাহ্মণ অথোইবা! ঙসিদগী হৌনা গুরুগী য়াথং মতুংইন্না জাতি ধর্ম্মগী মতুং ইন্না মরূপকী মথা পোনজরবনি ॥১৬॥ ব্রাহ্মণ অথোইবা! ঐ অসি নংগী শিষ্যনি; ব্রাহ্মণগী থৌজালতনা ঐগী জীবিকা ওইজগদৌরিবনি। অসি হায়দুনা অর্জ্জুননা অশ্বত্থামাগী চরণ শোকখি ॥১৭॥ অদুগী তুংদা মহৈ অমদি মথৌনা লৈরবা দ্রোণাচার্য্যনা পাণ্ডুগী মচাশিংবু মখল-মখা অয়াম্বা থুংঙ-থুংলাই পুম্নমক মীয়মলেন-লাইয়মলেন অনিমক্কী য়াউনা তম্বিবা

রাজপুত্রাস্তথৈবাজে সমেত্য ভরতর্ষভ । অভিজগ্মুস্ততো দ্রোণমস্ত্রার্থে দ্বিজসত্তমম্ ॥১৯॥
বৃষ্ণয়শ্চান্ধকাশ্চৈব নানাদেশ্যাশ্চ পার্থিবাঃ । সূতপুত্রশ্চ রাধেয়ো গুরুং দ্রোণমিয়াত্তদা ॥২০॥
স্পর্দ্ধমানস্তু পার্থেন সূতপুত্রোঽত্যমর্ষণঃ ।
দুর্য্যোধনমুপাশ্রিত্য সোঽবমন্যত পাণ্ডবান্ । অভ্যয়াৎ স ততো দ্রোণং ধনুর্ব্বেদচিকীর্ষয়া ॥২১॥
শিক্ষাভুজবলোদ্যোগৈস্তেষু সর্ব্বেষু পাণ্ডবঃ । অস্ত্রবিদ্যানুরাগাচ্চ বিশিষ্টোঽভবদর্জ্জুনঃ ॥২২॥
তুল্যেষ্বস্ত্রপ্রয়োগেষু লাঘবে সৌষ্ঠবেষু চ । সর্ব্বেষামেব শিষ্যাণাং বভূবাভ্যধিকোঽর্জ্জুনঃ ॥২৩॥
ঐন্দ্রিমপ্রতিমং দ্রোণ উপদেশেষ্বমন্যত । এবং সর্ব্বকুমারাণামিষ্বস্ত্রং প্রত্যপাদয়ৎ ॥২৪॥
কমণ্ডলুঞ্চ সর্ব্বেষাং প্রায়চ্ছচ্চিরকারণাৎ । পুত্রায় চ দদৌ কুম্ভমবিলম্বনকারণাৎ ॥২৫॥
যাবত্তে নোপগচ্ছন্তি তাবদস্মৈ পরাং ক্রিয়াম্ । দ্রোণ আচষ্ট পুত্রায় তৎ কর্ম্ম জিষ্ণুরৌহিকৎ ॥২৬॥
ততঃ স বারুণাস্ত্রেণ পূরয়িত্বা কমণ্ডলুম্ । সমমাচার্য্যপুত্রেণ গুরুমভ্যেতি ফাল্গুনঃ ॥২৭॥
আচার্য্যপুত্রাত্তস্মাত্তু বিশেষোপচয়েঽপৃথক্ । ন ব্যহীয়ত মেধাবী পার্থোঽস্ত্রবিদুষাং বরঃ ॥২৮॥
অর্জ্জুনঃ পরমং যত্নমাতিষ্ঠদ্ গুরুপূজনে । অস্ত্রে চ পরমং যোগং প্রিয়ো দ্রোণস্য চাভবৎ ॥২৯॥

হৌখি ॥১৮॥ দুর্য্যোধননাচিংব অতোপ অতোপ্পা লৈবাক্কী নিংথৌ মচাশিং পুন্নমক লাক্লুনা খুৎলাই তমগে হায়দুনা দ্রোণগী আশ্রয় লৌখি ॥ ৯॥ মতৌ অমুম্না বৃষ্ণি শাগৈগী, অন্ধক বংশগী অসি নত্তবা দেশ-দেশগী নিংথৌ মচা কয়া-কয়া দ্রোণাচার্য্যগী মফমদা লাকখি অমসুং সূতগী মচা কর্ণসু দ্রোণাচার্য্যবু মাগী গুরুনি হায়না লৌদুনা খুৎলাই তম্বা য়াউথি ॥২০॥ মপোকচৈদগী শাওগল্লবা কর্ণনা মতমলৈবখিবিক্কা অর্জ্জুনগতা শীংনদুনা লৈখি, অমগা দুর্য্যোধনদা তোংঙনা পাণ্ডবশিংবু উশিত্তে থৌওইদে, অদুগা মহাক অসিসু ধনুর্ব্বেদ তমগে হায়বগী দমক দ্রোণগী মনাক্তা লাকখি ॥২১॥ মহৈদা, পাংথোমগী পাঙ্গল্দা, হোৎনব কনবদা খুৎলাইগী বিদ্যাদা থরাই য়াওশিনবদা অর্জ্জুনতনা রাজকুমারশিং অদুগী মরুংবা থবাইগী মকোক থংখি ॥২২॥ মান্ন মান্নবা খুৎ থুবা অমদি হৈশিংনবা শিজিন্নবদা অর্জ্জুনতনা দ্রোণগী শিষ্য পুন্নমক্কী মরুংদা মকোক ওইবা শিষ্য ওইখি ॥২৩॥ মরম অদুনা দ্রোণাচার্য্য মশাখক্তা অর্জ্জুনতবু মহৈ তম্বাগী মরমদা থবাইদগী মীথোই মীহেনবা নিপানি হায়না থনখি, মতৌ অমুম্না অতৈ অতৈ শিষ্যশিংবুসু অমতা ওইবগী থাখন্দা ধনুর্ব্বেদ তম্বিদুনা লৈথি ॥২৪॥ ঈশিং থম্না শোক্লুনা পুরকপদা থম্ব থীন্নবা হায়দুনা অতৈ অতৈ শিষ্যশিংদনা দ্রোণনা কমণ্ডলু অমমম পী, অদুগা রাজা থুনা ঈশিং শোক্লুনা পুরক্নবা মচা অশ্বত্থামাদনা চফু অমা পী ॥২৫॥ মতৌ অমুম্না অতোপ অতোপ্পা শিষ্যশিংনা লাক্লিদ্রৈঙৈ চৈরক অদুদা থবাইগী মাংথোকনা লাক্লিবা মচা অশ্বত্থামাদা মরাম্না থংজিন্না খুৎলাইগী শিজিন্নবগী মওং অমা মরাম থংজিন্নৈ তম্বিহৌই, অমুম তৌন তৌবা মওং অসি অর্জ্জুননা থংখ্রে ॥২৬॥ অদুগী মতুংদা অর্জ্জুননা বারুণাস্ত্রনা কমণ্ডলু অদু ঈশিং থম্না শোক্লুনা অশ্বত্থামাগা অমুম মরাক কনিয়রে ॥২৭॥ মরম অদুনা তিন তিন্না, থানদনা তম্মিন্নদুনা মহৈগী চাউখৎলকপা অমনা তমবগা হৈবগা মান্নবা অমদি খুৎলাই থৎকী মরুংদা অথোইবা ওইবা অর্জ্জুননা কমিংনব খুৎলাইগী মরমদা অশ্বত্থামাকসী ইরাৎ-থাৎখিদ্রে ॥২৮॥ অর্জ্জুন মরমবনি গুরুগী সেবাদসু থবাইককী

তং দৃষ্ট্বা নিত্যমুদ্যুক্তমিষ্বস্ত্রং প্রতি ফাল্গুনম্। আহূয় বচনং দ্রোণো রহঃ সূদমভাষত ॥৩০॥

অন্ধকারেঽর্জ্জুনায়ান্নং ন দেয়ং তে কদাচন। ন চাখ্যেয়মিদঞ্চাপি মদ্বাক্যং বিজয়ে ত্বয়া ॥৩১॥

ততঃ কদাচিদ্ভুঞ্জানে প্রববৌ বায়ুরর্জ্জুনে। তেন তত্র প্রদীপঃ স দীপ্যমানো নিবাপিতঃ ॥৩২॥

ভুঙ্ক্ত এব তু কৌন্তেয়ো নাস্যাদন্যত্র বর্ত্ততে। হস্তস্তেজস্বিনস্তস্য অন্নগ্রহণকারণাৎ ॥৩৩॥

তদভ্যাসকৃতং মত্বা রাত্রাবপি স পাণ্ডবঃ। যোগ্যাং চক্রে মহাবাহুর্ধনুষা পাণ্ডুনন্দনঃ ॥৩৪॥

তস্য জ্যাতলনির্ঘোষং দ্রোণঃ শুশ্রাব ভারত। উপেত্য চৈনমুত্থায় পরিষজ্যেদমব্রবীৎ ॥৩৫॥

দ্রোণ উবাচ।

প্রযতিষ্যে তথা কর্ত্তুং যথা নান্যো ধনুর্দ্ধরঃ। ত্বৎসমো ভবিতা লোকে সত্যমেতদ্ ব্রবীমি তে ॥৩৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

ততো দ্রোণোঽর্জ্জুনং ভূয়ো হয়েষু চ গজেষু চ রথেষু ভূমাবপি চ রণশিক্ষামশিক্ষয়ৎ ॥৩৭॥

গদাযুদ্ধেঽসিচর্য্যায়াং তোমরপ্রাসশক্তিষু। দ্রোণঃ সঙ্কীর্ণযুদ্ধে চ শিক্ষয়ামাস কৌরবান্ ॥৩৮॥

তস্য তৎ কৌশলং শ্রুত্বা ধনুর্বেদজিঘৃক্ষবঃ। রাজানো রাজপুত্রাশ্চ সমাজগ্মুঃ সহস্রশঃ ॥৩৯॥

হেন্না মপুক্লিং চংঙি, অহনক্তনা দ্রোণাচার্য্যগী মফমদা খল্লাইদগী হেন্না নুংশিনফম অমদি তাকনিংফম ওইখি ॥২৯॥ দ্রোণাচার্য্যনা অর্জ্জুনবু মতমলৈবখিবিক্তা খুৎলাই তম্বা ওঁরাইবদা মপুক্লিং চংনা হোৎনবন্থ উবদা নোংমা, অচীকপদা চাকথোংবা পূজারীদা হায়খি—নং কৈদৌঙৈদসু অমম্বদা অর্জ্জুনদা চাক হাপপুন্নুকো, অদুগা ঐনা অসি হায় হায়তুনসু অর্জ্জুনদা খক তম্মুনু ॥৩০—৩১॥ অদুগী তুংদা নোংমা, অর্জ্জুননা অসুম চাক চারিঙৈদা নুমিদাংদা নুংশিৎ শিৎলক্তুনা থাওমৈ অদু মুৎথৎখ্রে ॥৩২॥ অদু ফাউবদা অর্জ্জুননা অমম্বা অহুদা হান্নগী মতৌগুমনা ইকায কায়দন অমম্বা অহুদসু অভ্যাস তৌখিবনা থাঙ্গৎলকইব চখোম অহু মপা শোয়নদনা অতুম্মক হুকই ॥৩৩॥ অসুমনা চারিঙৈদা চখোম থাঙ্গৎলকইবা অসিনা মপা চপ চপ চান য়াদ তাররিবসি অভ্যাস তৌখিবন ওইরবোরে হায়বসি খংতুনা মাহুগী মুমিত্তগী খুৎলাই তম্বা কাপ্নসি অমম্বতদা অভ্যাস তৌখি ॥৩৪॥ নোংমা, দ্রোণাচার্য্যনা অহিংদা ফম্মুংদা হীপ্তুনা লৈরিঙৈবা অর্জ্জুনগী খুৎলাই ওঁরাইবগী লিরি খীংবনাচিংবগী মখোল অদু তায়, খুদক অন্নদা যুক হৌগৎলক্তুনা চেলশিনলক্তুনা অর্জ্জুনদা কোম্দুনা হা অসি হায়খি ॥৩৫॥ অর্জ্জুন। ঐনা হৈব বিদ্যা পুমনমক নংঙোন্দা তম্বিরগেকো; জগতত্তা নংগী মান্ন্বা অমা লৈতনবা ঐনা হোৎনগনি; ঐ নাংঙোন্দা ব্বাশক্তুনা হায়রিব অসিনি ॥৩৬॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—অদুগী মতুংদা দ্রোণাচার্য্যনা শাযুগী, শগোলগী রথগী অমদি লৈমাই থক্তা খোংনী ওইনা শোরুবগী লানগী বিষয় পুমনমক মথং মথং তম্বিরকলে ॥৩৭॥ দ্রোণনা মতৌ অসুমনা কুরু শাগেগী নিংথৌ মচাশিংবু গদাগী লান, খাংগী লান, টৌমর তাগী অমসুং হাকথেংননা খুদোংথিবা শোরুবগী লানলোং পুমনমক তম্বিবা হৌখি ॥৩৮॥ দ্রোণাচার্য্যগী অসিগুম্বা খুৎলাই তম্বিবা হৈবগী পাউ অদি তাবা, ধনুর্বেদ তমনিংবা বিদ্যার্থী লিশিং লিশিং অহুগী হেন্দোক্তুনা নিংথৌ

ততো নিষাদরাজস্য হিরণ্যধনুষঃ সুতঃ। একলব্যো মহারাজ! দ্রোণমভ্যাজগাম হ ॥৪০॥
ন স তং প্রতিজগ্রাহ নৈষাদিরিতি চিন্তয়ন্। শিষ্যং ধনুষি ধর্মজ্ঞস্তেষামেবান্ববেক্ষয়া ॥৪১॥
স তু দ্রোণস্য শিরসা পাদৌ গৃহ্য পরন্তপ! অরণ্যমনুসম্প্রাপ্য কৃত্বা দ্রোণং মহীময়ম্ ॥৪২॥
তস্মিন্নাচার্য্যবৃত্তিঞ্চ পরমামাস্থিতস্তদা। ইষ্বস্ত্রে যোগমাতস্থে পরং নিয়মমাস্থিতঃ ॥৪৩॥
পরয়া শ্রদ্ধয়োপেতো যোগেন পরমেণ চ। বিমোক্ষাদানসন্ধানে লঘুত্বং পরমাপ সঃ ॥৪৪॥
অথ দ্রোণাভ্যনুজ্ঞাতাঃ কদাচিৎ কুরুপাণ্ডবাঃ। রথৈর্বিনির্যযুঃ সর্ব্বে মৃগয়ামরিমর্দ্দন! ॥৪৫॥
তত্রোপকরণং গৃহ্য নরঃ কশ্চিদ্ যদৃচ্ছয়া। রাজন্নানুজগামৈকঃ শ্বানমাদায় পাণ্ডবান্ ॥৪৬॥
তেষাং বিচরতাং তত্র তত্তৎকর্ম্মচিকীর্ষয়া। শ্বা চরন্ স বনে মূঢ়ো নৈষাদিং প্রতি জগ্মিবান্ ॥৪৭॥
স কৃষ্ণং মলদিগ্ধাঙ্গং কৃষ্ণাজিনজটাধরম্। নৈষাদিং শ্বা সমালক্ষ্য ভষংস্তস্থৌ তদন্তিকে ॥৪৮॥
তদা তস্যাথ ভষতঃ শুনঃ সপ্ত শরান্ মুখে। লাঘবং দর্শয়ন্নস্ত্রে মুমোচ যুগপদ্ যথা ॥৪৯॥

অমদি নিংথৌমচা কয়া কযান দ্রোণাচার্য্যগী মফমদা খুৎলাই তম্বা লাকনখি ॥৩৯॥ অদুগী তুংদা শাদানবগী লুচিংবা হিরণ্যধনুগী মচা নিপা একলব্যনা দ্রোণাচার্য্যগী মফমদা খুৎলাই তমগে হায়দুনা লাকখি ॥৪০॥ মহাকপু মনদা নৈবা অতোনবা শাদানবগী জাত্তা পোকপনি হায়রা খল্দুনা নিংথৌ মচাশিং অদুগী মরক্তা তিন্ননা মখিং চনশিন্দুনা বিস্তা তম্বিবসি চুমলমাক্তে হায়না খল্দুনা অদুম শাত্র হৈরবা দ্রোণাচার্য্যনা ধনুর্ব্বেদবু তম্বিবগী হিরমদা শিষ্য ওইহনখিদ্রে ॥৪১॥ অদু হাউবদা একলব্যনা মথুং লোয়রদুনা মকোক নোম্দুনা দ্রোণগী চরণ অশিবক শোক্তুনা খুম্নমগা মনদা চৎখিদুনা অচৌকপা মফমদা নৈপাক্না দ্রোণগী মুর্ত্তি অমা শাদুনা মাহুদা গুরু বোৎশিনদুনা, মুমিৎ খুদিং নিয়ম কায়দনা নৈপাক্কী গুরু দ্রোণগী মমাংদা খুৎলাই তম্বা কাপ্পা অভ্যাস তৌবা হৌখি ॥৪২—৪৩॥

ঐ শোয়দনা অচৌব নীকং পায়ব নিপা অমা ওইগে অদুম হায়না খাজবগা লোয়ননা, লেংদ্রবা গুরু ভক্তিগী মখম্তা লল্দুনা মমিৎ খুদিংগী থবাই হকচাং অমতা ওইনা একলব্যনা তেন্দোংগী [illegible], তেন্দা থোংব, শিশানা তৌব অমদি কাপথোকপা অসিনচিংবা পুমনক্তা মথুং লোয়ব [illegible] খুৎগী শক্তি কংখ্রে ॥৪৪॥ অদুগী তুংদা লোংবা গুরু দ্রোণাচার্য্যগী [illegible] মথুং [illegible] [illegible] [illegible] পাণ্ডবশিং নিংথৌ মচা পুম্নমক [illegible] [illegible] তেংদুনা মৃগয়া [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥৪৫॥ [illegible]! মতম অদুদা [illegible] মিপা [illegible] [illegible] [illegible] যৌবিন [illegible] [illegible] [illegible] অতৈগ লোয়ননা তম্বিদুনা হৈরবা হুই [illegible] পুম্না [illegible] [illegible] মথুং [illegible] [illegible] [illegible] অমনা হুই [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]; [illegible] হুই [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥৪৭॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] একলব্যনা [illegible] [illegible] [illegible] ॥৪৮॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মতম অদুদা একলব্যনা মথুং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

স তু শ্বা শরপূর্ণাস্যঃ পাণ্ডবানাজগাম হ। তং দৃষ্ট্বা পাণ্ডবা বীরাঃ পরং বিস্ময়মাগতাঃ ॥৫০॥
লাঘবং শব্দবেধিত্বং দৃষ্ট্বা তৎ পরমং তদা। প্রেক্ষ্য তং ব্রীড়িতাশ্চাসন্ প্রশশংসুশ্চ সর্ব্বশঃ ॥৫১॥
তং ততোঽন্বেষমাণাস্তে বনে বননিবাসিনম্। দদৃশুঃ পাণ্ডবা রাজন্! অস্যন্তমনিশং শরান্ ॥৫২॥
ন চৈনমভ্যজানংস্তে তদা বিকৃতদর্শনম্। অথৈনং পরিপপ্রচ্ছুঃ কো ভবান্ কস্য বেত্যুত ॥৫৩॥

একলব্য উবাচ।

নিষাদাধিপতের্বীরাঃ! হিরণ্যধনুষঃ সুতম্। দ্রোণশিষ্যঞ্চ মাং বিত্ত ধনুর্ব্বেদকৃতশ্রমম্ ॥৫৪॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তে তমাজ্ঞায় তত্ত্বেন পুনরাগম্য পাণ্ডবাঃ। যথাবৃত্তং বনে সর্ব্বং দ্রোণায়াচখ্যুরদ্ভুতম্ ॥৫৫॥
কৌন্তেয়স্ত্বর্জ্জুনো রাজন্! একলব্যমনুস্মরন্। রহো দ্রোণং সমাসাদ্য প্রণয়াদিদমব্রবীৎ ॥৫৬॥

অর্জ্জুন উবাচ।

তদাহং পরিরভ্যৈকঃ প্রীতিপূর্ব্বমিদং বচঃ। ভবতোক্তো ন মে শিষ্যস্ত্বদ্বিশিষ্টো ভবিষ্যতি ॥৫৭॥
অথ কস্মান্মদ্বিশিষ্টো লোকাদপি চ বীর্য্যবান্। অন্যোঽপি ভবতঃ শিষ্যো নিষাদাধিপতেঃ সুতঃ ॥৫৮॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

মুহূর্ত্তমপি তং দ্রোণশ্চিন্তয়িত্বা বিনিশ্চয়ম্। সব্যসাচিনমাদায় নৈষাদিং প্রতি জগ্মিবান্ ॥৫৯॥

অহুগী য়ামুংদা থাখি ॥৪৯॥ মথনাওদা তেন, তরেৎ অহু য়ুংমা য়ুংনা পাণ্ডবশিংগী মনাক্তা চেমশি[illegible]; মতৌ অহু উবদা পাণ্ডবশিং তদো পুমতক ভকখ্রে ॥৫০॥ তেন কাপলকইবা মহাকী মখু[illegible] মখোঙ্গেল ভাবতদা নিশানা শোয়দনা থাবগুম্বা মতিক মগুণ অহু খনবদা মহাক্কী মরমমা নৈমম্ব। মখোয় পুমমক অহু ইকাযবনা মক লুকখি অমসুং হিরম পুমমক্তা অকাপ্পা নিপা অহবু থাগৎখি ॥৫১॥ অহুগী মতুংদা পাণ্ডবশিংনা অকাপ্পা নিপা অদু মায়কৈ থুদ্দিংদা অসুম থরকপা মতমদা নিপা অমম্ব অতহ অখম নৈতনা তেন কাপ্পনা অভ্যাস তৌহনা নৈরম্বহ থেংনকরে ॥৫২॥ নিপা অদুগী মমক মতৌ অহু মওং অমনি, পহাকপু মশক থংদতুনা ময়াম্রা হংখি— নহাকপু কনানো? কনাগী অমদি কনবা [illegible] মীনো? ॥৫৩॥ একলব্যনা খুমকই— অকনবা খুমনমক। শাল্লাবগী লুচাংবা [illegible] মচা, গুরু দ্রোণাচার্য্যগী শিষ্য একলব্য হায়বহ ঐনী [illegible] থংবিয়ু; [illegible] মায়ম ঐ [illegible] [illegible] ॥৫৪॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— পাণ্ডবশিংনা [illegible] একলব্যমি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থোকখিবা [illegible] থৌরাক পুমনমক অহু মথং মঙ্গাও [illegible] দ্রোণাচার্য্য [illegible] [illegible] ॥৫৫॥

মহারাজ! অর্জ্জুননা একলব্যগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থৌরাক পুমনমক অহু [illegible], [illegible] [illegible] দ্রোণগী [illegible] [illegible] [illegible] ॥৫৬॥ গুরুদেব! ননাই ঐহু [illegible] [illegible]— "অর্জ্জুন! নঙোন্দগী [illegible] [illegible] শিষ্য [illegible] ঐগী [illegible] নমা [illegible] হায়না ননাই ঐহোন্দা তাকখিবি ॥৫৭॥ অদুগ [illegible] শিষ্য একলব্য কোৎ [illegible] [illegible] অহুক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥৫৮॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— অর্জ্জুনগী [illegible] তাবনা দ্রোণাচার্য্যনা [illegible] [illegible] তৌরগা থোকখিবা থৌরাক

দদর্শ মলদিগ্ধাঙ্গং জটিলং চীরবাসসম্। একলব্যং ধনুষ্পাণিমস্যন্তমনিশং শরান্ ॥৬০॥
একলব্যস্তু তং দৃষ্ট্বা দ্রোণমায়ান্তমন্তিকাৎ। অভিগম্যোপসংগৃহ্য জগাম শিরসা মহীম্ ॥৬১॥
পূজয়িত্বা ততো দ্রোণং বিধিবৎ স নিষাদজঃ। নিবেদ্য শিষ্যমাত্মানং তস্থৌ প্রাঞ্জলিরগ্রতঃ ॥৬২॥
ততো দ্রোণোঽব্রবীদ্রাজন্! একলব্যমিদং বচঃ। যদি শিষ্যোঽসি মে বীর! বেতনং দীয়তাং মম ॥৬৩॥
একলব্যস্তু তচ্ছ্রুত্বা প্রীয়মাণোঽব্রবীদিদম্। কিং প্রযচ্ছামি ভগবন্! আজ্ঞাপয়তু মাং গুরুঃ ॥৬৪॥

নহি কিঞ্চিদদেয়ং মে গুরবে ব্রহ্মবিত্তম!।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তমব্রবীত্ত্বয়াঙ্গুষ্ঠো দক্ষিণো দীয়তামিতি ॥৬৫॥

একলব্যস্তু তচ্ছ্রুত্বা বচো দ্রোণস্য দারুণম্। প্রতিজ্ঞামাত্মনো রক্ষন্ সত্যে চ নিয়তঃ সদা ॥৬৬
তথৈব হৃষ্টবদনস্তথৈবাদীনমানসঃ। ছিত্ত্বাঽবিচার্য্য তং প্রাদাদ্দ্রোণায়াঙ্গুষ্ঠমাত্মনঃ ॥৬৭॥
ততঃ শরন্তু নৈষাদিরঙ্গুলীভির্ব্যকর্ষত। ন তথা চ স শীঘ্রোঽভূদ্যথা পূর্ব্বং নরাধিপ! ॥৬৮॥
ততোঽর্জ্জুনঃ প্রীতমনা বভূব বিগতজ্বরঃ। দ্রোণশ্চ সত্যবাগাসীন্নান্যোঽভিভবিতাঽর্জ্জুনম্ ॥৬৯॥

পুমনমক অদু মুম্না থংলহনা অর্জ্জুনগা লোয়ননা একলব্যগী মনাক তাম্না চৎথি ॥৫৯॥ মফম অদুদা চৎথিহনা করি উথিবগে হায়রবু উফুল থাইফুল ইতৈ তৈরবা, মকোক্তা জটা পুবা, হকচাংগী কুপ্তুব য়াদব শকক্তা কুপ্তুনা মফিৎশংলিবা একলব্যনা মথুক্তা লীকং চেৎনা পায়দুনা অতৎ অথম লৈতনা তেন কাপ্তুনা লৈরি ॥৬০॥ গুরু দ্রোণাচার্য্যনা লাকপদু উবদা একলব্যনা চেনশিল্লক্তুনা চরণ অনি অদু মকোক্তা থাঙ্গত্তুনা মকোক লৈপাকতানা খুরুম্মী ॥৬১॥ মতৌ অদুমনা নিয়ম কায়দনা গুরুগী পূজা স্বাগতনাচিংব তৌদুনা— ননাইদি গুরুদেবগী শিষ্যনি অসুম হায়না তাক্তুনা খুৎলোমদুনা গুরুগী মাংদা ভুম্মিন্না লেপ্তুনা লৈখি ॥৬২॥ মতম অদুদা দ্রোণাচার্য্যনা একলব্যদা হায়খি— অকনবা! নংনা ঐগী থাঙ্গৎশেংবা শিষ্য ওইরবদি ঐত্তোন্দগী তমখিবা বিদ্যা অসিগীদমক গুরু দক্ষিনা পিরো ॥৬৩॥ একলব্যনা থাসি তাবদা নুংঙাইরথহনা খুৎ অনি লোমদুনা হায়রখি— গুরুদেব! ননাইবু করি কচো হায়বগে? মদু গুরুদেবনা তাকপিয়ু ॥৬৪॥ হে বের থংলবা! গুরুদেবগী চরনদা ত্তসি কাউবদা করিগুম্বা অমত্তা কচত্রি। বৈশম্পায়ননা হায়খি— একলব্যগী ঋা অদু তাবদা দ্রোণন হায়খি— একলব্য! নংগী য়েৎথংবা খুৎপী অদু কক্তুনা ঐত্তোন্দা পীয়ু ॥৬৫॥ মতম লৈবথিবিক্তা অচুম্বদা চাংলবা হায়খিবা থাজাং হোংদবা একলব্যনা গুরুগী অকনবা থাহে অদু তাবদা মশাগী থাশক শাক্কে হায়বগী দমক অফ কন্ত করি অমত্তা থন্দনা মাযথোং মকালামদনা, করিমত্তা অক্বা অনা লৈতনা মশাগী য়েৎথংবা খুৎপী অদু কওনা গুরু দ্রোণদা কৎখি ॥৬৬—৬৭॥ অদুগী মতুংদা একলব্যনা খুৎপী য়াওদবা খুদোনশিংতনা তেন কাপ্তুনা য়েংঙি অদুবু মহারাজ! হায়াগী মতৌগুমনা মথুৎ অমক য়ামনা থুনা য়াংনা কাপ্পা ত্তমখিদ্রে ॥৬৮॥ মদুদা অর্জ্জুননা থোইদোক্পা পেনখি অহাবা চিংনবা পুমনমক কোকখি; অদুগা অর্জ্জুনবু কনাগুম্বা অমত্তনা মাইথিবা পিবা ঙমলোই হায়বা দ্রোণগী থাশকপা অদুসু অচুম্বা

দ্রোণস্তু তদা শিষ্যৌ গদাযোগ্যৌ বভূবতুঃ। দুর্য্যোধনশ্চ ভীমশ্চ সদা সংরব্ধমানসৌ ॥৭০॥
অশ্বত্থামা রহস্যেষু সর্ব্বেষভ্যধিকোঽভবৎ। তথাতি পুরুষানন্যান্ ত্সারুকৌ যমজাবুভৌ ॥৭১॥
যুধিষ্ঠিরো রথশ্রেষ্ঠঃ সর্ব্বত্র তু ধনঞ্জয়ঃ। প্রথিতঃ সাগরান্তায়াং রথযূথপযূথপঃ ॥৭২॥
বুদ্ধিযোগবলোৎসাহৈঃ সর্ব্বাস্ত্রেষু চ নিষ্ঠিতঃ। অস্ত্রে গুর্ব্বনুরাগে চ বিশিষ্টোঽভবদর্জ্জুনঃ ॥৭৩॥
তুল্যেষ্বস্ত্রোপদেশেষু সৌষ্ঠবেন চ বীর্য্যবান্। একঃ সর্ব্বকুমারাণাং বভূবাতিরথোঽর্জ্জুনঃ ॥৭৪॥
প্রাণাধিকং ভীমসেনং কৃতবিদ্যং ধনঞ্জয়ম্। ধার্ত্তরাষ্ট্রা দুরাত্মানো নামৃষ্যন্ত পরন্তপ! ॥৭৫॥
তাংস্তু সর্ব্বান্ সমানীয় সর্ব্ববিদ্যাসু শিক্ষিতান্। দ্রোণঃ প্রহরণজ্ঞানে জিজ্ঞাসুঃ পুরুষর্ষভঃ ॥৭৬॥
কৃত্রিমং ভাসমারোপ্য বৃক্ষাগ্রে শিল্পিভিঃ কৃতম্। অবিজ্ঞাতং কুমারাণাং লক্ষ্যভূতমুপাদিশৎ ॥৭৭॥

দ্রোণ উবাচ।

শীঘ্রং ভবন্তঃ সর্ব্বেঽপি ধনূংষ্যাদায় সর্ব্বশঃ। ভাসমেতং সমুদ্দিশ্য তিষ্ঠধ্বং সংহিতেষবঃ ॥৭৮॥
মদ্বাক্যসমকালন্তু শিরোঽস্য বিনিপাত্যতাম্। একৈকশো নিযোক্ষ্যামি তথা কুরুত পুত্রকাঃ! ॥৭৯॥

ওইখি ।৬৯। অসোমদা মতমসৈলবখিবিক্তা অমগা অমগা শীংনরবা ভীম অমদি দুর্য্যোধন অনিমক গদাগী লান্দা যামনা চংখোন্না হৈরে ॥৭০॥ অথুপ্পা অরোনবা খুৎলাই শিজিন্নবদা অশ্বত্থামানা মকোক ওইখ্রে, নকুল সহদেব অনিমক্না থাংগী লান্দা খল্লাইগী মকোক ওইদুনা অতোপ অতোপ্পা অকনবাশিংবু মখোয় অনিনা বিষয় অসিদা হেন্দোকখ্রে ॥৭১॥ যুধিষ্ঠিরনা রথ অমদি শগোল শামুগী লান্দা থোইদোক হেন্দোক্না হৈখি অতগা অর্জ্জুননা শগোল, শামু অমসুং রথুনচিংবগী লান্দা খল্লাইদগী অথোইবনি হায়না মশিং লাকওমদ্রবা রথা কয়াগী অওাকপা মপু মহারথী অম্বম হায়না পৃথিবীদা ফাওখ্রে ॥৭২॥ অদুগা খুজু খুৎলাই মথল পুমনমক্কী শিজিন্নবদা অদুগা গুরু ভক্তিদা পুক্নিং চংলবা অর্জ্জুননা বুদ্ধিদা, য়েক্নববু মাযথিবা পীবগী উপায় থিবদা, পাঙ্গল অমদি ইচংথোবগা লোয়নননা খুৎলাই শিজিন্নবদা খল্লাইগী মকোক থোংবা ওইখ্রে ।৭৩।

দ্রোণাচার্য্যনা পুমনমক্কা মীচং মীথায় নাইদনা তম্বিখি, অদুবু মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা অর্জ্জুনতমা অদুক য়াম্বা রাজকুমারশিং অদুগী মনুংদা অতিরথী ওইবা ঙমখি ॥৭৪॥ মশা ফবা অমদি মপাঙ্গল লৈবদা অথোইবা ভীমবু অমদি খুজু খুৎলাইদা মথাক লৈতনা লোইনা হৈরবা অর্জ্জুনবু পুকচেল ফজ্রবা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা উরগা কন্নকপনা তুম্মিন্না য়েংদুনা খাংদুনা লৈব ঙমদ্রে ॥৭৫॥ নোংমা দ্রোণাচার্য্যনা খুজু খুৎলাইদা শিক্ষা ফংলবা রাজকুমারশিং অদুবু পুদুনা, মখোয়গী খুৎলাই শিজিন্নবদা মখুৎচুম্বদা কনান য়ামনা হৈবগে হায়বদু পরীক্ষা তৌগে হায়দনা কনাবু খংহন্দনা মথুৎমশা হৈবা মী অমনা শাহনবা উচেক অমা উথক্তা থম্নগা, মাঙ্গবু কাপপু হায়না রাজকুমার শিষ্যশিং অদুদা যাথং পিখি ॥৭৬—৭৭॥ দ্রোণনা হায়খি— নখোয় পুমনমক নখুৎ মখুত্তা লীরুং পায়দুনা উচেক অসিদা নিশান্না তৌদুনা তেন্জা থোংদুনা লেপ্পুনা লৈয়ু ॥৭৮॥ অদুগী মতুংদা এঙী ব্বা তারগা উচেক অসিগী মকোক কক্তুনা থাদগদৌবনি। মী অমমমদা তোংঙাল তোংঙাল্লনা কাপপু হায়গনি; ইচাশা! ইশ্নানা

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততো যুধিষ্ঠিরঃ পূর্ব্বমুবাচাঙ্গিরসাং বরঃ। সন্ধৎস্ব বাণং দুর্দ্ধর্ষ! মদ্বাক্যান্তে বিমুঞ্চ চ ॥৮০॥
ততো যুধিষ্ঠিরঃ পূর্ব্বং ধনুর্গৃহ্য পরন্তপঃ। তস্থৌ ভাসং সমুদ্দিশ্য গুরুবাক্যপ্রচোদিতঃ ॥৮১॥
ততো বিততধন্বানং দ্রোণস্তং কুরুনন্দনম্। স মুহূর্ত্তাদুবাচেদং বচনং ভরতর্ষভ! ॥৮২॥
পশ্যস্বৈনং দ্রুমাগ্রস্থং ভাসং নরবরাত্মজ!। পশ্যামীত্যেবমাচার্য্যং প্রত্যুবাচ যুধিষ্ঠিরঃ ॥৮৩॥
স মুহূর্ত্তাদিব পুনর্দ্রোণস্তং প্রত্যভাষত। অথ বৃক্ষমিমং মাং বা ভ্রাতৄন্ বাপি প্রপশ্যসি? ॥৮৪॥
তমুবাচ স কৌন্তেয়ঃ পশ্যাম্যেনং বনস্পতিম্। ভবন্তঞ্চ তথা ভ্রাতৄন্ ভাসঞ্চেতি পুনঃ পুনঃ ॥৮৫॥
তমুবাচাপসর্পেতি দ্রোণোঽপ্রীতমনা ইব। নৈতচ্ছক্যং ত্বয়া বেদ্ধুং লক্ষ্যমিত্যেব কুৎসয়ন্ ॥৮৬॥
ততো দুর্য্যোধনাদীংস্তান্ ধার্ত্তরাষ্ট্রান্ মহাযশাঃ। তেনৈব ক্রমযোগেন জিজ্ঞাসুঃ পর্য্যপৃচ্ছত ॥৮৭॥
অন্যাংশ্চ শিষ্যান্ ভীমাদীন্ রাজ্ঞশ্চৈবান্যদেশজান্। তথা চ সর্ব্বে তৎ সর্ব্বং পশ্যাম ইতি কুৎসিতাঃ ॥৮৮॥
ততো ধনঞ্জয়ং দ্রোণঃ স্ময়মানোঽভ্যভাষত। ত্বয়েদানীং প্রহর্ত্তব্যমেতল্লক্ষ্যং বিলোক্যতাম্ ॥৮৯॥
মদ্বাক্যসমকালন্তে মোক্তব্যোঽত্র ভবেচ্ছরঃ। বিতত্য কার্ম্মুকং পুত্র! তিষ্ঠ তাবন্মুহূর্ত্তকম্ ॥৯০॥
এবমুক্তঃ সব্যসাচী মণ্ডলীকৃতকার্ম্মুকঃ। তস্থৌ ভাসং সমুদ্দিশ্য গুরুবাক্যপ্রচোদিতঃ ॥৯১॥

হায়রিবসি পুক্নিংচংনা তাবগা থবক তৌগনৌবনি ।৭৯॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— অসি হায়রগা দ্রোণাচার্য্যনা ইহান হানবদা যুধিষ্ঠির। তেন্জা পোংঙু, মিশানা চুমনা থম্মু, ঐনা কাপ্পু, হায়রবা কান্দা কপ্পু ॥৮০॥ অদুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনা গুরুদেবগী য়াথং মতুং ইন্না লীমি হাপ্তুনা তেন্জা থোংদুনা উচেক লোমদা চীংদুনা চপ লেপ্তুনা লৈখি ॥৮১॥ যুধিষ্ঠিরনা লীমিচিংদুনা লৈরব কান্দা দ্রোণাচার্য্যনা ওহাক লৈরগা য়া অসি হায়রকই ॥৮২॥ রাজকুমার! উথক অসিদা তোংলিবা উচেক আসিদু উরেদনকো? যুধিষ্ঠিরনা খুমি— হোয়, গুরুদেব, উজরে ॥৮৩॥ দ্রোণাচার্য্যনা অমুক ওহাক লৈরগা হায়রকই— উ অসিমু, ঐবুসু অতুগা ননাওশিং অসিবুসু উরিবরা? ॥৮৪॥ মতম অমদা যুধিষ্ঠিরনা হায় হোয়, গুরুদেব! উ অসিমু, ইনাওশিংমু অমসু গুরুদেববুসু, উচেক অসিমকপুসু লোইনা যাত্তনা উজে ॥৮৫॥ মতম অমদা দ্রোণনা নুংঙাইতবা, পেনদা উইদুনা যুধিষ্ঠিরদা শাওদুনা হায়রকই— কায়দে, নং চৎথোকঅমু, নং উচেক অসি পানবা ঙম্লোই ॥৮৬॥ অদুগী মতুংদা মীংচৎ চাউরবা দুর্য্যোধননাচিংবা রাজকুমারশিং অমসু, থবাই হকচাং অমত্তা ওইনা শিশানা তোয়গী শক্তি ... পরীক্ষা তৌগে হায়না থম্মুনা যুধিষ্ঠিরদা হংখিবা হংবগী অদুগুম্বা মখোয়শু লোইনা হংখি ॥৮৭॥ ভীমনাচিংবা অতোপ অতোপ্পা লৈবাকগী শিষ্যশিং মচাশিংবু মথং মথং হংলকপা মতমদা যুধিষ্ঠিরনা খুমখিবা অদুগুম্বা লোইনা খুমল্লগা মরাম অদুমু চেপ্পুনা লোইনা তাগোকখে ॥৮৮॥ থবাইনা তুংদা দ্রোণাচার্য্যনা মোমোন লোক্তুনা অর্জুনদা হায়রকই— অর্জুন! তোংলিবা উচেক অসি মংবা কাপ্পা তাই, মূমা য়েংঙু ॥৮৯॥ ঐগী য়া তারগা নংগী অসিদা তেল কাপথোকপা তৌবনি; অদুনা ইবুংঙো! তেলচাইদুনা ওহাক ঐগী য়া তাদুনা লৈখো ॥৯০॥ দ্রোণনা অমুক হায়রবা অর্জুননা তেন্জা থোংদুনা

মুহূর্ত্তাদিব তং দ্রোণস্তথৈব সমভাষত। পশ্যস্যেনং স্থিতং ভাসং দ্রুমং মামপি চেত্যুত ॥৯২॥
পশ্যাম্যেকং ভাসমিতি দ্রোণং পার্থোঽভ্যভাষত। ন তু বৃক্ষং ভবন্তং বা পশ্যামীতি চ ভারত ॥৯৩॥
ততঃ প্রীতমনা দ্রোণো মুহূর্ত্তাদিব তং পুনঃ। প্রত্যভাষত দুর্দ্ধর্ষঃ পাণ্ডবানাং মহারথম্ ॥৯৪॥
ভাসং পশ্যসি যদ্যেনং তথা ব্রূহি পুনর্বচঃ। শিরঃ পশ্যামি ভাসস্য ন গাত্রমিতি সোঽব্রবীৎ ॥৯৫॥
অর্জ্জুনেনৈবমুক্তস্তু দ্রোণো হৃষ্টতনূরুহঃ। মুঞ্চস্বেত্যব্রবীৎ পার্থং স মুমোচাবিচারয়ন্ ॥৯৬॥
ততস্তস্য নগস্থস্য ক্ষুরেণ নিশিতেন চ। শির উৎকৃত্য তরসা পাতয়ামাস পাণ্ডবঃ ॥৯৭॥
তস্মিন্ কর্ম্মণি সংসিদ্ধে পর্য্যষজত ফাল্গুনম্। মেনে চ দ্রুপদং সংখ্যে সানুবন্ধং পরাজিতম্ ॥৯৮॥
কস্যচিত্ত্বথ কালস্য সশিষ্যোঽঙ্গিরসাং বরঃ। জগাম গঙ্গামভিতো মজ্জিতুং ভরতর্ষভ ॥৯৯॥
অবগাঢ়মথো দ্রোণং সলিলে সলিলেচরঃ। গ্রাহো জগ্রাহ বলবান্ জঙ্ঘান্তে কালচোদিতঃ ॥১০০॥
স সমর্থোঽপি মোক্ষায় শিষ্যান্ সর্ব্বানচোদয়ৎ। গ্রাহং হত্বা মোক্ষয়ধ্বং মামিতি ত্বরয়ন্নিব ॥১০১॥
তদ্বাক্যসমকালং তু বীভৎসুর্নিশিতৈঃ শরৈঃ। অবার্য্যৈঃ পঞ্চভির্গ্রাহং মগ্নমম্ভস্যতাড়য়ৎ ॥১০২॥

লীরি চিংহনা তুম্মিন্না লেপ্তুনা লৈখি ॥৯১॥ মতম অদুদা দ্রোণাচার্য্যনা অহাক লৈরগা অর্জ্জুনদা হায়খি— অর্জ্জুন! উচেক অসিবু ঐবু অদুগা উপাল্বী অসিবু নচিন্ননাও লৈরিবা অসিবু উরিবরা য়েংঙু ॥৯২॥ অর্জ্জুননা হায় গুরুদেব! ঐনা হৌজিক উজরিবা হায়ববু উচেক অসিতনি, গুরুদেববুসু উপাল্বী অসিবুসু ঐনা করিমতা উব লৈতে ॥৯৩॥ অদুগী তুংদা অর্জ্জুনগী ৱা তাবদা থোইনা পেল্লবা দ্রোণাচার্য্যনা অহাক্তং লৈরগা পাণ্ডবশিংগী মহুংদা মহারথী ওইরবা অর্জ্জুনদা হায়রকই ॥৯৪॥ করে অদু ওইরবদি উচেক অদুগী মশা পুম্নমক অদু উরিবরা? অমুক হন্না য়েংলগা হায়মু। অর্জ্জুননা খুম্মি— উচেক অসিগী মকোক্কী শরুকতমক উই অতে করিমতা উরক্তরে ॥৯৫॥ অর্জ্জুননা অসুম হায়রবদা দ্রোণাচার্য্যগী থমোইদা নুংঙাইরবা পোকখি হকচাংদা নুংঙাইরবগী তুজুংবা পোকই, মতম অদুদা অর্জ্জুনদা হায়রকই— য়াম্নে, তেন অদু কাপথোকউ। মতম অদুদা অর্জ্জুননা অত্তে অমনা ৱাখল খন্দনা তেন অদু কাপথোরকই ॥৯৬॥ অর্জ্জুননা মতম অদুদা থোরবা মাগী তেন অদুনা ককথত্তুনা উচেকী মকক অদু লৈমাইথক্তা থাদখি ॥৯৭॥ থবক অদুমক পাংথোরকপা অদুদা পেনখিদুনা দ্রোণাচার্য্যনা অর্জ্জুনবু চেংনা কোনখি; মচা মগু খোংলোয় পুম্নমক পুন্না দ্রুপদ কিংথৌবু মায়থিবা পিবা মাগুনি হায়নসি থনখি ॥৯৮॥ অদুগী তুংদা থর লৈরবা নোংমা, দ্রোণাচার্য্যনা মহাকী শিষ্যশিংগা লোয়ননা গঙ্গা স্নান তৌগে হায়দুনা চৎখি ॥৯৯॥

মহাক্না কুমথদুনা অসুম ইরুজরিবৈদা, অসুম থোকউ হায়বদুনা চাউরবা গুজির অমনা দ্রোণগী খুকউমথক কাউবা উমখে ॥১০০॥ মতম অদুদা দ্রোণাচার্য্যনা মশা মথন্তনা গুজির অদুবু ইরাই লায়না নাম্বোকপা ঙমনরু শিষ্যশিং অদুগী শক্তি য়েংগে হায়দুনা মখোয় মরাদা অসুম হায়না লাউরকই— ইচাশা! ইশাবু হুত্তিনা উমলে, নখোয় কনানো ঐবু অমুক কন্নু ॥১০১॥ ৱা অদু হেক তাবদা গুরুগী হায়দোকপা বাহৈ অদুনা লোইনম লোরকাত্রবৈদা অর্জ্জুননা থোইদোক্না থোরবা তেন মঙানা

ইতার স্বথ সংযুচাস্তত্র তত্র প্রপেদিরে। তদ্দৃষ্ট্বা ক্রিয়োপেতং দ্রোণোঽমন্যত পাণ্ডবম্ ॥১০৩॥
বিশিষ্টং সর্ব্বশিষ্যেভ্যঃ প্রীতিমাংশ্চাভবত্তদা। স পার্থবাণৈর্বহুধা খণ্ডশঃ পরিকল্পিতঃ ॥১০৪॥
গ্রাহঃ পঞ্চত্বমাপেদে জঙ্ঘাং ত্যক্ত্বা মহাত্মনঃ। অথাব্রবীন্মহাত্মানং ভারদ্বাজো মহারথম্ ॥১০৫॥
গৃহাণেদং মহাবাহো! বিশিষ্টমপি দুর্দ্ধরম্। অস্ত্রং ব্রহ্মশিরো নাম সপ্রয়োগনিবর্ত্তনম্ ॥১০৬॥
ন চ তে মানুষেষ্বেতৎ প্রয়োক্তব্যং কথঞ্চন। জগনির্দ্দহেদেতদল্পতেজসি পাতিতম্ ॥১০৭॥
অসামান্যমিদং তাত! লোকেষ্বস্ত্রং নিগদ্যতে। তদ্ধারয়েথাঃ প্রয়তঃ শৃণু চেদং বচো মম ॥১০৮
বাধেতামানুষঃ শত্রুর্যদি ত্বাং বীর! কশ্চন। তদ্বধায় প্রযুঞ্জীথাস্তদাস্ত্রমিদমাহবে ॥১০৯॥
তথেতি তৎ প্রতিশ্রুত্য বীভৎসুঃ স কৃতাঞ্জলিঃ। জগ্রাহ পরমাস্ত্রং তদাহ চৈনং পুনর্গুরুঃ ॥১১০॥
ভবিতা ত্বৎসমো নান্যঃ পুমাল্লোকে ধনুর্দ্ধরঃ। অজেয়ঃ সর্ব্বশত্রূণাং কীর্ত্তিমাংশ্চ ভবিষ্যসি ॥১১১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি সম্ভবে
দ্রোণশিষ্যপরীক্ষা নামাষ্টাবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——০:(*):০——

ঈশিং মখুংদা লৈবা কুম্ভির অমুগী মশাদা থাহনা চৈনাখোল পীখি ॥১০২॥ অদুগা অতোপ অতোপ্পা রাজকুমার শিষ্যশিং অদুদি তৌফম থংদ্রহন হুইগক য়েংঙক চাদুনা চপ চপ লেপ্তুনা যেংহনা লৈখি। মতম অদুদা দ্রোণাচার্যনা অর্জ্জুনতবু শিষ্য পুম্নমক্কী মকোক্কি হায়না খনখি অমদি ঙমথৈলেত্তনা পেনখি। অসোমদা অর্জ্জুনগী তেন অমহনা মতুপ মতুপ থোক্লা ককথৎলবা কুম্ভির অদু ঈশিং মথক্তা ভাওখৎলকই ॥১০৩—১০৪॥ মতৌ অসুমনা কুম্ভির অদু মথঙ্গাই থাখি। অদুগী তুংদা দ্রোণাচার্য্যনা পুকচেল চাউরবা অর্জ্জুনদা হায়বকই ॥১০৫॥ অর্জ্জুন! শিজিন্নবগী নিয়ম অমসুং লোশিনবগী মন্ত্রগা লোয়ননা ব্রহ্মশির কৌবা খুৎলাই অসি লৌ, মনা ওইনা নংঙোন্দা পীরবনি, খুৎলাই অসি অমনা পাক ককপ। য়াত্রবা থেইদোক হেন্দোকপা খুৎলাই অমনি ॥১০৬॥

নংনা খুৎলাই অসি কনাগুম্বা মীগী মফমদা থক শিজিন্নকনু। মরমদি, অশোননা মীগী মফমদা শিজিন্নকরবদি জগৎ অসি চাকথেক্তুনা মাংগনি ॥১০৭॥ ইবুংঙো! খুৎলাই অসি জগত্তা মপা কৈতবনি হায়নখিবনি। মরম অদুনা নপুম্মিং ফাদুনা খুৎলাই অসি লোইগদৌবনি, ঐগী ৱা অসিমগা তাখো ॥১০৮॥ মী ওইবা নত্তবা হায়বদি কনাগুম্বা দেবতাগুম্বা য়েক্নবা অমন নংঙোন্দা আক্রমণ তৌরক্লবা মতমদা মহাকপু থিংননবগী দমক মতম অদুতদা খুৎলাই অসি শিজিন্নো ॥১০৯॥ মাদুমক তৌজগনি গুরুদেব! অমুম হায়না ৱাশক্তুনা অর্জ্জুননা মখুৎ লোম্নদুনা খুৎলাই অদু লৌখি। দ্রোণাচার্য্যনা অমুক অর্জ্জুনদা হায়খি ॥১১০॥ অর্জ্জুন! জগত্তা কনাগুম্বা নিপা অমনা নংগা মান্নবা মহারথী ওইবদি মঙঙ্গরোইদবনি, য়েক্নবা পুম্নমক্না নংবু মায়থিবা পীবা ঙম্মোই মিংচৎ চাউবা অমা ওইরগনি ॥১১১॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা দ্রোশিষ্যপরীক্ষা কৌবা চাদগা কুননিপাল শুথা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——০:(*):০——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে অস্ত্রদর্শনং ।

(মীরোল-নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা অস্ত্রদর্শনংগী মারী)

(চামা কুনমাপন শুবা অধ্যায়)

—:(0):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

কৃতাস্ত্রান্ ধার্ত্তরাষ্ট্রাংশ্চ পাণ্ডুপুত্রাংশ্চ ভারত ! ।   দৃষ্ট্বা দ্রোণোঽব্রবীদ্রাজন্ ! ধৃতরাষ্ট্রং জনেশ্বরম্ ॥১॥
কৃপস্য সোমদত্তস্য বাহ্লীকস্য চ ধীমতঃ ।   গাঙ্গেয়স্য চ সান্নিধ্যে ব্যাসস্য বিদুরস্য চ ॥২॥
রাজন্ ! সম্প্রাপ্তবিদ্যাস্তে কুমারাঃ কুরুসত্তম ! ।   তে দর্শয়েযুঃ স্বাং শিক্ষাং রাজন্নানুমতে তব ॥৩॥
ততোঽব্রবীন্মহারাজঃ প্রহৃষ্টেনান্তরাত্মনা ।   ভারদ্বাজ ! মহৎ কর্ম্ম কৃতন্তে দ্বিজসত্তম ! ॥৪॥
যদা হ্যমন্যসে কালং যস্মিন্ দেশে যথা যথা ।   তথা তথা বিধানায় স্বয়মাজ্ঞাপয়স্ব মাম্ ॥৫॥
স্পৃহয়াম্যদ্য নির্বেদাৎ পুরুষাণাং সচক্ষুষাম্ ।   অস্ত্রহেতোঃ পরাক্রান্তান্ যে মে দ্রক্ষ্যন্তি পুত্রকান্ ॥৬॥
ক্ষত্তর্যদ্‌গুরুরাচার্য্যো ব্রবীতি কুরু তত্তথা ।   ন হীদৃশং প্রিয়ং মন্যে ভবিতা ধর্ম্মবৎসল ! ॥৭॥
ততো রাজানমামন্ত্র্য বিদুরো নির্গতো বহিঃ ।   ভারদ্বাজো মহাপ্রাজ্ঞো মাপয়ামাস মেদিনীম্ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— দ্রোণাচার্য্যনা, ধৃতরাষ্ট্র অমস্যং পাণ্ডুগী মচাশিংনা খুৎলাইদা মতিক চানা শিক্ষা ফংলবাদু উবদা, নোংমা কৃপাচার্য্য, সোমদত্ত, বাহ্লীক, ভীষ্ম, ব্যাস অমদি বিদুর পুন্নমক অসি লৈরিত্তেদা ধৃতরাষ্ট্রগী মফমদা হায়খি— ॥১—২॥ মহারাজ ! নজা ইবুংঙোশিং অসে মহৈ-মশিং চংখোয়া হৈরবনি, মহারাজগী য়াথং লৈরবদি মাগী মাগী শক্তি ঙম্লো মহারাজগী মাংদা উৎপা ঙমগনি ॥৩॥ অদুগী মতুংদা ধৃতরাষ্ট্রনা য়াম্না হরাঙনা হায়রকই— ভরদ্বাজ মুনিগী মচানায়নফম ওইরবা, ব্রাহ্মণ অখোইবা ! ইচাশিংগী দমক্তা ব্রাহ্মণনা তৌত্নরবা থবক অমা তৌবিরেদো ॥৪॥ মরম অদুনা করম্বা মফমদা, করম্বা মতমদা, করম তৌরে হায়রগা থবক অসি পাংথোক্নদগে হায়বদু ব্রাহ্মণনা বিচার তৌবিয়ে হায়রগা তৌগদৌবদু ঐঙোন্দা তাকপিয়ু ॥৫॥ মমিৎ উবা মী পুন্নমক্না খুৎলাই চংখোয়া হৈরবা, মপাঙ্গল মখোনা লৈরবা ইচাশিং অদু উবা ফংগনি, ইমিৎ উত্রবসু ঐস্যু মখোয়গী মতৌঙদা মখোয়গী মরক্তা য়াওহনা ইচাশিংগী কুইম্মে য়েংনিংবা অমা পোকই ॥৬॥ অদুনা বিদুর ! অয়ুম অয়ুম তৌ হায়না গুরু দ্রোণাচার্য্যনা তাকপীবা অদুগী মতুংইন্না নংনা শোয়দনবা পীয়ু ! করিনা হায়বদু অয়ুম তৌনা মুংচায়বা কুইম্মে অসি অয়ুক থোরকনি হায়বা থাজদরে ॥৭॥ অদুগী মতুংদা বিদুরনা নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না লম্বাংদা চৎখি, অদুগা য়াঙাং হৈরবা থোইদোক্না

সমামবৃক্ষাং নির্গুল্মামুদক্প্রবণান্বিতাম্। তস্যাং ভূমৌ বলিংচক্রে তিথৌ নক্ষত্রপূজিতে ॥৯॥
অবঘুষ্টে সমাজে চ তদর্থং বদতাং বরঃ। রঙ্গভূমৌ সুবিপুলং শাস্ত্রদৃষ্টং যথাবিধি ॥১০॥
প্রেক্ষাগারং সুবিহিতং চক্রুস্তে তত্র শিল্পিনঃ। রাজ্ঞঃ সর্ব্বায়ুধোপেতং স্ত্রীণাঞ্চৈব নরর্ষভ! ॥১১॥
মঞ্চাংশ্চ কারয়ামাসুস্তত্র জানপদা জনাঃ। বিপুলানুচ্চ য়োপেতান্ শিবিকাশ্চ মহাধনাঃ ॥১২॥
তস্মিংস্ততোহহনি প্রাপ্তে রাজা সসচিবস্তদা। ভীষ্মং প্রমুখতঃ কৃত্বা কৃপঞ্চাচার্য্যসত্তমম্ ॥১৩॥
মুক্তাজালপরিক্ষিপ্তং বৈদূর্য্যমণিশোভিতম্। শাতকুম্ভময়ং দিব্যং প্রেক্ষাগারমুপাগমৎ ॥১৪॥
গান্ধারী চ মহাভাগা কুন্তী চ জয়তাং বর!। স্ত্রিয়শ্চ রাজ্ঞঃ সর্ব্বাস্তাঃ সপ্রেষ্যাঃ সপরিচ্ছদাঃ ॥১৫॥
হর্ষাদারুরুহুর্মঞ্চান্ মেরুং দেবস্ত্রিয়ো যথা। ব্রাহ্মণক্ষত্রিয়াদ্যঞ্চ চাতুর্ব্বর্ণ্যং পুরাদ্দ্রুতম্ ॥১৬॥
দর্শনেপ্সু সমভ্যাগাৎ কুমারাণাং বিচেষ্টিতম্। ক্ষণেনৈকস্থতাং তত্র দর্শনেপ্সুর্জগাম হ ॥১৭॥
প্রবাদিতৈশ্চ বাদিত্রৈর্জনকৌতুহলেন চ। মহার্ণব ইব ক্ষুব্ধঃ সমাজঃ সোহভবত্তদা ॥১৮॥

শিংলবা দ্রোণাচার্য্যস্থ বিদুরগা লোইমনা শান্নফম য়েংবা অফবা ওনথা য়াওখি, মফম অদু লৈতেম মায়ে, চরোং হাবুংনচিংবা লৈকুৎ লৈতোং লৈতে, অম্বাং লোমদা হায়কেৎ থমথে। শান্নবুং অদুদা পুংজাউ থৌন্দুনা তোগদোন্নিবা কুম্মে অদুগী ভাবুক ওইগদোন্নিবা মীয়াম্দু কৌশিল্লগা দ্রোণাচার্য্যনা শান্নবুং অদুদা অফবা নক্ষত্র অমদি তিথি য়েংদুনা, ভাবুকশিংগী থাক নাইনা মথং মথং ফন্নবা ফমফম অমদি শংশাং ময়াম শাবদা মঙ্গোল ওইনবগী দমক্তা দেবতা পুন্নমক্কপু শাস্ত্রগী মতুংইন্না য়াম্না চাউনা মরাং কায়না পূজা তৌবা হৌখ্রে ॥৮—১০॥ দ্রোণাচার্য্যনা খুৎশা হৈবা পুন্নমক কৌদুনা নিংথৌ অমদি মহারাণীনচিংবী নুপী-নহা পুন্নমক্কী দমক্তা মথল মথা অয়াম্বা থাং, তা-চুংগোইনচিংবা থৃজু খুৎলাইতনা লৈতেংলবা কুম্মে য়েংফম শং ময়াম শাহনখ্রে ॥১১॥ অদুগা লৈবাক্কী মীশিংগী অচৌ অচৌবা থাং চাউরবা পান্নবা ফাংথক অমদি নুপী-নহাশিংবু হোন্ননবা মথল মথল অযাম্বা [illegible] য়ান্নবা দোলাই অয়াম শেম শান্নে ॥১২॥ অত্তগী তুংদা কুম্মে অসি তৌগদৌবা লেপ্পবা নুমিৎ অদু য়ৌরক্লবদা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রনা মন্ত্রি পুন্নমক্কা তিন্নহনা, ভীষ্ম অমদি কৃপাচার্য্যনা খাংথাদুনা কুম্মে য়েংনমবা শং অদু তাদা চংখ্রে; সনাতনা শাথা অমসুং মীচন্না লোইবা শাবা ভবক্রথা শং অদো মনি, মুক্তাগী কাজর অমদি মাইথলনা ইকোয় কোইশিন্নি অদুগা বৈদূর্য্য কৌবা মণিনা মুখী ফল্লাংনচিংবদু লৈতেংতি ॥১৩—১৪॥ লাইবক ফন্নবী গন্ধারী অমসুং কুন্তীনা নিংথৌগী অতোপ অতোপ্পী মহনীশিং অমদি [illegible] লেবা তৌবীশিংগা লোয়নদা, খুদিং হুনবগী [illegible] ওইবা থিজোন লৈতেং পুন্নমক শেং [illegible], স্বর্গগী দেবতাশিংগী নুপী মহা পুন্নমক্কা [illegible] কৌবা চিংথক্তা [illegible] [illegible] খুম্মে য়েংফম থাক মথক্তা কাথংলে। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নচিংবা চারিজাৎকী মী পুন্নমক নিংথৌ [illegible] অদুগী কুম্মে অমদি তৌবা [illegible] অদু য়েংনিংবা [illegible] অমদি [illegible] থোক্কদুনা তিন্নরে। অতোপ অতোপ্পা লেপ [illegible] য়েংনিংবা [illegible] লাক্লুনা তিন্নরে ॥১৫—১৭॥ মতম অদুদা মথল মথা [illegible] [illegible] অমদি [illegible] [illegible] তিন্নিবা মীয়াম অদো [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

ততঃ শুক্লাম্বরধরঃ শুক্লযজ্ঞোপবীতবান্। শুক্লকেশঃ সিতশ্মশ্রুঃ শুক্লমাল্যানুলেপনঃ ॥ ১৯ ॥
রঙ্গমধ্যং তথাচার্য্যঃ সপুত্রঃ প্রবিবেশ হ। নভো জলধরৈর্হীনং সাঙ্গারক ইবাংশুমান্ ॥২০॥
স যথাসময়ঞ্চক্রে বলিং বলবতাং বরঃ। ব্রাহ্মণাংশ্চাত্র মন্ত্রজ্ঞান্ কারয়ামাস মঙ্গলম্ ॥২১॥
সুবর্ণমণিরত্নানি বস্ত্রাণি বিবিধানি চ। প্রদদৌ দক্ষিণাং রাজা দ্রোণায় চ কৃপায় চ ॥২২॥
অথ পুণ্যাহঘোষস্য পুণ্যস্য সমনন্তরম্। বিবিশুর্বিবিধং গৃহ্য শস্ত্রোপকরণং নরাঃ ॥২৩॥
ততো বদ্ধাঙ্গুলিত্রাণা বদ্ধকক্ষা মহারথাঃ। বদ্ধতূণাঃ সধনুষো বিবিশুর্ভরতর্ষভাঃ ॥২৪॥
অনুজ্যেষ্ঠন্তু তে তত্র যুধিষ্ঠিরপুরোগমাঃ। চক্রুরস্ত্রং মহাবীর্য্যাঃ কুমারাঃ পরমাদ্ভুতম্ ॥২৫॥
কেচিচ্ছরাক্ষেপভয়াচ্ছিরাংস্যবননামিরে। মনুজা ধৃষ্টমপরে বীক্ষাঞ্চক্রুঃ সুবিস্মিতাঃ ॥২৬॥
তে স্ম লক্ষ্যাণি বিভিদুর্বাণৈর্নামাঙ্কশোভিতৈঃ। বিবিধৈর্লাঘবোৎসৃষ্টৈরুহ্যন্তো বাজিভির্দ্রুতম্ ॥২৭॥
তৎ কুমারবলং তত্র গৃহীতশরকার্ম্মুকম্। গন্ধর্বনগরাকারং প্রেক্ষ্য তে বিস্মিতাভবন্ ॥২৮॥
সহসা চুক্রুশুশ্চান্যে নরাঃ শতসহস্রশঃ। বিস্ময়োৎফুল্লনয়নাঃ সাধু সাধ্বিতি ভারত। ॥ ২৯॥

থৌখ্রে ॥১৮॥ অদুগী তুংদা ফিজৌ শেৎলবা, ভোরবা মুগুন থাংজিবা, পোক্লা ইজৌ ভোরবা, কোইনচিংমস্থ ইজৌ ভোরবা, অঙৌবা লৈপরেং শিজিবা, অঙৌবা চন্দননচিংবনা লৈজেংবিরা [illegible] দ্রোণাচার্য্যনা, মচা অশ্বত্থামাগা লোয়ননা, মঙ্গোল গ্রহগা তিন্নদুনা নোংপাক্সুবা অতিয়াদা থাদা থোরকপা [illegible] শামবুংদা থুংলরে। ১৯—২০॥ দ্রোণাচার্য্য মথম অদুদা থুংলদুনা ইষ্ট দেৱগী পূজা তৌখি অমসুং মন্ত্র থংলবা ব্রাহ্মণশিংনা স্বস্তিবাচননচিংবা মঙ্গোলগী থবক পুরমক তৌহনখি ॥২১॥ নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রনা দ্রোণাচার্য্য অমদি কৃপাচার্য্য অনিমক্তা দক্ষিনাগী মথক ওইনা সনা, লুপা, মণি, মুক্তাগা লোয়ননা মখল মখা অয়াম্বা বস্ত্র দান তৌখি ॥২২॥ অদুগী তুংদা পুণ্য চেনবা পুণ্যাহ বাচন কৌবা মঙ্গোলগী মন্ত্র থিবা শকপনচিংবা লোয়রবা তুংদা মখল মখা অয়াম্বা খুৎশু খুৎলাই অমসুং চংগদৌবা যপোল মক্লৈ পুমনমক পুরক্তুনা লৈবাক লৈবাকী রাজ কুমারশিং অদু শামবুং অদুদা চংশিনকলে ॥২৩॥ অদুগী তুংদা কুরু বংশগী নিংথৌ মচাশিং অদুনা খুৎথাং, খাওল, তেনদোং, খীরুংনচিংবা থোক্লা পায়রদুনা শামবুংদা চোংথোরক্লে ॥২৪॥ অদুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনচিংবা নিংথৌ মচাশিংনা অচৌবা নত্তা থাইনা শামবুংদা মাগী মাগী তমখিবা হৈখ্রবা বিদ্যা পুম্নমক উৎনরকলে ॥২৫॥ ভাবুক কয়া কয়ানা খুৎলাই অমদি অস্ত্রাচিংবনা হাইদোক্লকুনা পানগনি হায়রগা কিবনা মকু লুকথদুনা থাংলি, অদুগা অতোপ্পা কয়া কয়াগুম্বনা অঙকপা য়েংনিংবগা লোয়ননা অমগা অমগা খেন্নাইনদুনা, ক্রক-ক্রক ইমশিনা য়েংলকই ॥২৬॥ কুমারশিং অদুনা মাগী মাগী শগোললা তোংদুনা মাগী মাগী মমিং থারবা খুৎলৈথুনা কাপ্লক্লবা তেনশিং অদুনা নিশানা চুম্না পাক্ননমকন কাম্না হোনরক্লে ॥২৭॥ গন্ধর্বগী নগরগী মতৌগুম লীরং তেন খুৎশু খুৎলাইনা মশা পুম্বা য়োমলবা রাজ কুমারশিংগী লান্মি তেংগোল উবদা ভাবুকশিংগী থমোইদা অঙকপা মুংঙাইবা পোকখি ॥২৮॥ মী চাম-চাম মী লিশিং লিশিংনা মুংঙাইবা অঙকপনা মমিৎ কুপ্পনা মুংঙাই। মুংঙাই। থগতনি। থগতনি। অদুম হায়না মাইকৈ পুম্নমক্তা লাউনরকপনা

কৃত্বা ধনুষি তো মার্গান্ রথচর্য্যাসু চাসকৃৎ। গজপৃষ্ঠেঽশ্বপৃষ্ঠে চ নিযুদ্ধে চ মহাবলাঃ ॥৩০॥
গৃহীতখড়্গচর্ম্মাণস্ততো ভূয়ঃ প্রহারিণঃ। ত্সরুমার্গান্ যথোদ্দিষ্টাংশ্চেরুঃ সর্ব্বাসু ভূমিষু ॥৩১॥
লাঘবং সৌষ্ঠবং শোভাং স্থিরতাং দৃঢ়মুষ্টিতাম্। দদৃশুস্তত্র সর্ব্বেষাং প্রয়োগং খড়্গচর্ম্মণোঃ ॥৩২॥
অথ তৌ নিত্যসংহৃষ্টৌ সুযোধনবৃকোদরৌ। অবতীর্ণৌ গদাহস্তাবেকশৃঙ্গাবিবাচলৌ ॥৩৩॥
বদ্ধকক্ষৌ মহাবাহূ পৌরুষে পর্য্যবস্থিতৌ। বৃংহন্তৌ বাসিতাহেতোঃ সমদাবিব কুঞ্জরৌ ॥৩৪॥
তৌ প্রদক্ষিণসব্যানি মণ্ডলানি মহাবলৌ। চেরতুর্নির্ম্মলগদৌ সমদাবিব কুঞ্জরৌ ॥৩৫॥
বিদুরো ধৃতরাষ্ট্রায় গান্ধার্য্যাঃ পাণ্ডবারণিঃ। ন্যবেদয়েতাং তৎ সর্ব্বং কুমারাণাং বিচেষ্টিতম্ ॥৩৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সম্ভবে অস্ত্রদর্শনং নামোনত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(*):——

পুর্মনিল নিনখি ॥২৯॥ অদুগী তুংদা নিংথৌ মচাশিং অহ তেঙ্গা থোংবগী, তেন কাপথোকরকপগী, লিরি হাপপগী, রথ পৌবগী, শামু অমসুং শগোল থৌবগী অমসুং পাম্বোমগা পাম্বোমগা পায়নদুনা লাক্ল কানবগী কায়দবা নিয়ম অমসুং শক্তি উৎনদুনা অদুগী তুংদা থাং চুংগোই পায়নদুনা নিয়ম কায়দনা কদম চৎনদুনা য়াম্রবা অমসুং হাইনবগী মহৈ উৎনরক্লে ॥৩০—৩১॥ অদুগী তুংদা কুম্মৈ যেংলিবা মী পুম্নমকনা মথল মথলগী বিদ্যাদা চংখোল্লবা নিংথৌ মচাশিং অদুগী অমনা হাইথরকপা থাংবু অমগী চুংগোইনা ভাকথোকপা থাঙ্গ—থাঙ্গ কারন চন্নদুনা মুন্নবা, তৌরিবা থবকশিং অসিদা থুৎ থুবা মিৎলৈ নারৈ খংনবা, তৌরি তৌরিবা থবক অহ ফজনা উৎনবা মমিং কুপ্পনা নিশানা তৌনরকপা অমদি থাং, তা, লীকং পায়বদা থুহম চেৎপা অসিনচিংবা কুম্মৈ মথল মথল অসি উৎনরকলি ॥৩২॥ অদুগী তুংদা মমাংঙৈদা অমগা অমগা কল্লক য়েংথিনরকপা ঐন-ঐনা কনবা হেল্লি হায়না শীংনরকপা তান্নরকপা মপাম্বোম চাউরবা ভীম অমদি দুর্য্যোধন অনিনা কৈ মউল খাওল ওন্দুনা মথুৎ মথুত্তা গদা পায়দুনা শান্নবুংদা চোংথোরক্লে; মতম অদুদা য়াংলবা চীংদোন অমমমদা ভাইবা চীংগী মতৌগুম অমদি শামু অমোম অমাগী হাক্তকী মচুম তারবা শামু লাবা অনিনা য়াথিল্লগে হায়দুনা লেপ্পগুম লেপ্পখি ॥৩৩—৩৪॥ মচুম তারবা শামু অনিগী মতৌগুম্মলবা অনি অসিনা মক্তুবা গদা অনি পায়দুনা অমনা অমগী য়াকা য়েংনদুনা য়েৎলোম ওইরোমদা লৈনরকপা হৌরে ॥৩৫॥ অহানবদা বিদুরনা ধৃতরাষ্ট্র, কুন্তী অমদি গান্ধারীদা মচাশিংগী মহৈগী মথং মথুং উৎনরকপা অমদি মপা-মপা চোংথোনরকইবা নিংথৌ মচাশিং অদুগী মমিং মথানচিংবা মথং মথং হায়দুনা তাহল্লকই ॥৩৬॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংব সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা
সম্ভবতা অস্ত্রদর্শন কৌবা চামা কুনমাপাল শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে অস্ত্রদর্শনঃ।

(মীরোল নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা অস্ত্রদর্শনগী ৱারী)

(চাম কুছ্‌।শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

কুরুরাজে হি রঙ্গস্থে ভীমে চ বলিনাং বরে। পক্ষপাতকৃতস্নেহঃ স দ্বিধেবাভবজ্জনঃ ॥ ১ ॥
জয় হে কুরুরাজেতি জয় হে ভীম ইত্যুত। পুরুষাণাং সুবিপুলাঃ প্রণাদাঃ সহসোত্থিতাঃ ॥২॥
ততঃ ক্ষুব্ধার্ণবনিভং রঙ্গমালোক্য বুদ্ধিমান্। ভারদ্বাজঃ প্রিয়ং পুত্রমশ্বত্থামানমব্রবীৎ ॥ ৩ ॥
বারয়ৈতৌ মহাবীর্য্যৌ কৃতযোগ্যাবুভাবপি। মাভূদ্রঙ্গ প্রকোপোঽয়ং ভীমদুর্য্যোধনোদ্ভবঃ ॥৪॥
ততস্তাবুদ্যতগদৌ গুরুপুত্রেণ বারিতৌ। যুগান্তানিলসংক্ষুব্ধৌ মহাবেলাবিবার্ণবৌ ॥ ৫ ॥
ততো রঙ্গাঙ্গণগতো দ্রোণো বচনমব্রবীৎ। নিবার্য্য বাদিত্রগণং মহামেঘনিভস্বনম্ ॥ ৬ ॥
যো মে পুত্রাৎ প্রিয়তরঃ সর্ব্বশস্ত্রবিশারদঃ। ঐন্দ্রিরিন্দ্রানুজসমঃ স পার্থো দৃশ্যতামিতি ॥৭॥
আচার্য্যবচনেনাথ কৃতস্বস্ত্যয়নো যুবা। বদ্ধগোধাঙ্গুলিত্রাণঃ পূর্ণতূণঃ সকার্ম্মুকঃ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—মপাঙ্গল কনবশিংগী মনুংদা অথোইবা ভীম দুর্য্যোধন অনিনা গদা হাইনকম, মল তৌকম শান্নপূংদা চোংথোক্লরকপা মতমদা ভাবুক ওইরিবা মী পূন্নমক অদুগী মনুংদা ভীমগী মীচং চংবা, দুর্য্যোধনগী মীচং চংবশিং অদু অমগা অমগা মুংশিনরবসু মখোয়গী মনুংশি অদু মথল অনি থোকপগুম তৌখ্রে॥১॥ মী কাংবু অমনা কুরুরাজগী জয়! কাংবু অমনা মহাবীর ভীমগী জয়! অসুম হায়না অমগা অমগা অযুমুক লাওনরকপনা য়েংলিবা মীয়াম অদুগী মনুংদা খুদক্ত হোর হোরবা খোল্লাও অমমম ওইনা থোকখি॥২॥ শান্নফম লম্পাক অদু অমগা অমগা লাওনরকপগী খোঙ্গেস্তনা ঈথক হোরবা ঈপাক্কী মতো ওইরক্লবদা শিংলবা দ্রোণাচার্য্যনা মুংশিজরবা মহাক্কী মচা নিপা অশ্বত্থামাদা হায়রকই— ॥৩॥ অশ্বথামা! নংনা খোইনা কল্লবা ভীম-দুর্য্যোধন অনি আসিগী নাক্ত চংদুনা চান্ননা শাওনরক্তনবা থাম্মু চংলু॥৪॥ অদুগী তুংদা অশ্বথামানা চংখিদুনা, প্রলয়গী মতমদা শীংকদবা মুংশিংনা য়েন্নবা ঈথক হোরবা পাক চাওরবা সমুদ্র অনিগী মতোংগুম্বা গদা থাংগৎলরবা ভীম দুর্য্যোধন অনিগী মরক চংদুনা থামখি॥৫॥

অদুগী তুংদা দ্রোণাচার্য্যনা শান্নবুংদা চংখিদুনা হোরবা নোংগী খোল্লাওগুম মাইকৈ মরি পূমনিম নিনা খোংলি-শংলি-য়েৎলিবা পূং শেল পুমনমক অদু থদাক লেপহল্লগা বা অসি হায়খি॥৬॥ ইন্দ্রগী হেন্না মুংশিরবা, পুৎলাই পুজমক্তা হৈশিংলবা, বিষ্ণুগা মান্ননা মতিক মগুণ মপাঙ্গল লৈরবা ইন্দ্রগী মচা নিপা অর্জুনগী মহৈ অসি মরাম অমুক্ত য়েংবিয়ু॥৭॥ অদুগী মতুংদা দ্রোণাচার্য্যগী য়াথং

কাঞ্চনং কবচং বিভ্রৎ প্রত্যদৃশ্যত ফাল্গুনঃ। সার্কঃ সেন্দ্রায়ুধতড়িৎ সসন্ধ্য ইব তোয়দঃ ॥৯॥
ততঃ সর্বস্য রঙ্গস্য সমুৎপিঞ্জোঽভবন্মহান্। অবাদ্যন্ত চ বাদ্যানি সশঙ্খানি সমন্ততঃ ॥১০॥
এষ কুন্তীসুতঃ শ্রীমান্ এষ মধ্যমপাণ্ডবঃ। এষ পুত্রো মহেন্দ্রস্য কুরূণামেষ রক্ষিতা ॥১১॥
এষোঽস্ত্রবিদুষাং শ্রেষ্ঠ এষ ধর্মভৃতাং বরঃ। এষ শীলবতাঞ্চাপি শীলজ্ঞাননিধিঃ পরঃ ॥১২॥
ইত্যেবং বহুলা বাচঃ শৃণ্বত্যাঃ প্রেক্ষকরিতাঃ। কুন্ত্যাঃ প্রস্রবসংযুক্তৈরস্রৈঃ ক্লিন্নমুরোঽভবৎ ॥১৩॥
তেন শব্দেন মহতা পূর্ণশ্রুতিরথাব্রবীৎ। ধৃতরাষ্ট্রো নরশ্রেষ্ঠো বিদুরং হৃষ্টমানসঃ ॥১৪॥
ক্ষত্তঃ! ক্ষুব্ধার্ণবনিভঃ কিমেষ সুমহাস্বনঃ। সহসৈবোত্থিতো রঙ্গ ভিন্দন্নিব নভস্তলম্ ॥১৫॥

মতুং ইন্না পাখং মপূং ফারবা অর্জ্জুননা মঙ্গলাচরণ তৌদুনা লীরি চিংবগী তক্তুখদা শোক্তনবা গোধা কৌবা শঙলগী খুৎথাং, খুদোন ময়ামগী খুৎথাং, তেন্না থল্লবা তেন্দোং লীকং অমদি সনাতন: হুৎলবা করচ অসিনচিংবা লানগী হৌনবা ফিজেৎ লৈতেং শেং চাঙ্গনা শান্নবুংদা চোংথোয়কলে। মতম অদুদা হুমিৎকী মঙালগা, চুমথাং খলবগা অদুগা নোংথাং কুপ্পগী মঙালগা তিন্নরবা হুমিদাং ব্রাইরমগী নোংগী মতোংগুম হাইকমথংদনা ফজবনা অর্জ্জুনগী ওইখি ॥৮—৯॥ অদুগী মতুংদা অর্জ্জুনগী মহৈদ হৈশিংবা, তৌবঙম্বা শক্তি অদু উনিংবনা শান্নাবুংদা তিল্লরিবা মীয়াম পুম্বা অদুগী থমোইদা লাংতক্রবা অমদি মথুম্মরাং হৌবা পোক্রখি, মাযকৈ মরিমক্তগী মোইবুংগী খোঞ্জেলগা লোয়নরবা মথল মখা অয়াম্বা ঈশৈগী মক্লগী খোঞ্জেম্না পুমনিন নিনখি ॥১০॥

"মতিব-মগুণ মশক মতৌ অম্বাৎপা কৌবনা লৈত্রবা,
লাইবকফবী কুন্তীগী মচানিপা য়াইফবা
পাণ্ডবশিংগীদি য়াইথংবা কুরু শাগেগী অঙাকপা
ইন্দ্রগীদি মপারি অর্জ্জুন—অর্জ্জুন হায়নবদো
থোরকলিবা অসিনিদো" ॥১১॥ "খুৎলাই হৈবগী অথোইবা,
ধর্ম্ম থংবগী লুচিংব', লমচৎ ব্যবহার থংবদা
খরাইদগী অথোইবনি হায়নিংবা, মীগী মপুকচেল থোইনা থংবা
মকম মতম মীশক থংবা, অর্জ্জুন—অর্জ্জুন হায়নবদো
থোরকলিবা অসিনিদো" ॥১২॥

অসিগুম্বা খাহৈনা মায়কৈ পুম্নমক্তগী লাওনরকই; অসিগুম্বা খাহৈবু তাবদা কুন্তীগী মিৎলু অমিনবী ফুংঙাইরগী শিম্নরকপা পিগী ইচেলনা, নংথরক্তুনা শীঙ্গুরকপা খোমলাং অমৃতগী থারাম্না অমত্তা ওইনা তিন্নখি ॥১৩॥ মায়কৈ মরিদগী অর্জ্জুনবু থাগৎনরকপা থোঞ্জেম্না ধৃতরাষ্ট্রগী মাকোং অমি অদু পুমনক থজখ্রে; থোইরাং থোরশাউবা অমদি ফুংঙাইবনা থমোই থল্লবা ধৃতরাষ্ট্রনা বিদুরগী মমদা হায়রখি ॥১৪॥ বিদুর! ইথক হৌরক্লবা সমুদ্রগী ইরাউথোলগুম নোংমদোল থিঙ্গাইদুনা লাকপগুম শান্নবুংদা

বিদুর উবাচ।

এষ পার্থো মহারাজ! ফাল্গুনঃ পাণ্ডুনন্দনঃ। অবতীর্ণঃ সকবচস্তথৈব সুমহাস্বনঃ ॥১৬॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

ধন্যোঽস্ম্যনুগৃহীতোঽস্মি রক্ষিতোঽস্মি মহামতে!। পৃথারণিসমুদ্ভূতৈস্ত্রিভিঃ পাণ্ডববহ্নিভিঃ ॥১৭॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তস্মিন্ প্রমুদিতে রঙ্গে কথঞ্চিৎ প্রত্যবস্থিতে। দর্শয়ামাস বীভৎসুরাচার্য্যায়াস্ত্রলাঘবম্ ॥১৮॥

আগ্নেয়েনাসৃজদ্বহ্নিং বারুণেনাসৃজৎ পয়ঃ। বায়ব্যেনাসৃজদ্বায়ুং পার্জন্যেনাসৃজদ্ঘনান্ ॥১৯॥

ভৌমেন প্রাবিশদ্ভূমিং পার্বতেনাসৃজদ্গিরীন্। তস্থৈ গগন চান্দ্রেণ পুনরন্তর্হিতোঽভবৎ ॥২০॥

ক্ষণাৎ প্রাংশুঃ ক্ষণাদ্ধ্রস্বঃ ক্ষণাচ্চ রথধুর্গতঃ। ক্ষণেন রথমধ্যস্থঃ ক্ষণেনাবতরম্মহীম্ ॥২১॥

সুকুমারঞ্চ সূক্ষ্মঞ্চ গুরুঞ্চাপি গুরুপ্রিয়ঃ। সৌষ্ঠবেনাভিসংযুক্তঃ সোঽবিধ্যদ্বিবিধৈঃ শরৈঃ ॥২২॥

ভ্রমতশ্চ বরাহস্য লৌহস্য প্রমুখে সমম্। পঞ্চ বাণানসংযুক্তান স মুমোচৈকবাণবৎ ॥২৩॥

খংহৌদনা লাকলিবা খোঙ্গেল অসিবু কদাযদগীনো, করিগীনো ? ॥১৫॥ বিদুরনা হায়খি— মহারাজ! পাণ্ডুগী মচা নিপা, পাণ্ডবশিংগী য়াইথংবা অর্জ্জুননা ল'নগী ফিজোন ৰাম্ভনা শেন্তুনা শান্নবুংসিদা থোরক্লি অদুনা মীয়াম্না পূমনিল নিনবনি ॥১৬॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়খি— বিদুর! কুন্তীগী মশক ওইরবা অরনিদগী (*) থোরকপা যজ্ঞগী মৈ অহুমগী মতৌগুম্নবা পাণ্ডবাগ্নি কৌবা মৈনা কুক শাগৈগী মশক ওইরবা যজ্ঞ মাণ্ডপ মুংদা চাক্লকপা অসিদা ধৃতরাষ্ট্র কৌবা ঐসি য়াইফরে, ভগবানগী থৌজাল ফংজরে, যেঙ্গবগী মথুন্তগী কলহৌরে ॥১৭॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— শান্নবুংদা তিল্লরিবা মী পুম্নমক থোইদোক্লা মুংভায়খিদুনা করি তৌবকপগে মযেংলগে হায়বগী মতাগুম পৃকনিং তপ্না তুম্মিন্না লৈনখ্রবা কান্দা অর্জ্জুননা দ্রোণাচার্য্যগী মমাংদা খুৎলাই হৈবগী শক্তি পূম্বা মথং মথং উৎখি ॥১৮॥

মৈগী তেন্না মুংশিৎ, নোংগী তেন্না নো', খুদক্তা মীযাম মমাংদা পুথোকখি ॥১৯॥ ভৌম অস্ত্রনা লৈমাইথক্তা তাদুনা পৃথি মুংদা চংশিনখি, পার্ব্বত অস্ত্রনা চীংদ্রুম ময়াম পায়হনখি অন্তর্দ্ধান কৌবা খুৎলাইনা ময়াম অদু খুদক্তা অমুক মাংহনখি ॥২০॥ মিকুপ্তা থংবাং ৱাংখৎপা অমদি মিকুপ্তা থংনেম নেমহনা, মিকুপ অমগী মঙ্গুংদা সারথীগুম উরম্বা, মিকুপ অমগী মতুংদা লাম্মিনা ইকোয় কোয়শিন্নবা মহারথীগী মতৌগুম হৈশিংবা উৎলম্নগা মিকুপ অমাগী মনুং থোংমী অমগী মতৌগুম লেপখি ॥২১॥ গুরুগী চান্নথোইরবা অমগুং খুৎলাই শিজিন্নবদা থোইনা হৈ শিংলবা অর্জ্জুননা মতিক চায়চায়বা তেন্না অথোৎপা অকনবা পান্দমকম পোৎশক পুম্নমক খুৎহন্দনা ককখি ॥২২॥

য়োওনা পুমহৈ হৈদুনা শারবা চাউরবা ওক অমা যন্ত্রদা পান্দুনা কম্না কোয়রৈ লৈরি, অম্ভুম্না লৈরিভৈ মতমদা অর্জ্জুননা তোঙান তোঙানবা তেন মঙাবু খুৎলৈ থুনা কাপ্পনা মথং মথং ইন্নরকপনা ভেক্লে অমতগী মতৌগুম ওকী কাখোক্লিবা মানুংদা মতম অমতদা পুমচং চংনবা কাপখি ॥২৩॥

(*) [illegible] — যজ্ঞগী মৈনা অতোপ অতোপ্পা কুনা চাকথুরাচিংবগী লৌব য়াদবনা মৈবাচিঙনা লৌবা তাবনা অহুওবা মৈ অহু মশা মথক্তা খমনা কামদনা থোকচারুবা মৈ হৌননবা কাষ্ঠ অদুবু যেদগী কর্ম কাওদা অরনি হায়না খংলৈ। কন্নিওনা য়াওনবা য়াত্রবা যজ্ঞগী-পোৎচং অমনি।

গব্যে বিষাণকোষে চ চলে রজ্জ্বলম্বিনি । নিচখান মহাবীর্য্যঃ সায়কানেকবিংশতিম্ ॥২৪॥
ইত্যেবমাদি সুমহৎ খড়্গে ধনুষি চানঘ। গদায়াঞ্চাস্ত্রকুশলো মণ্ডলানি ব্যদর্শয়ৎ ॥২৫॥
ততঃ সমাপ্তভূয়িষ্ঠে তস্মিন্ কর্ম্মণি ভারত!। মন্দীভূতে সমাজে চ বাদিত্রস্য চ নিস্বনে ॥২৬॥
দ্বারদেশাৎ সমুদ্ভূতো মাহাত্ম্যবলসূচকঃ। বজ্রনিষ্পেষসদৃশঃ শুশ্রুবে ভুজনিস্বনঃ ॥২৭॥
দীর্য্যন্তে কিন্নু গিরয়ঃ কিং স্বিদ্ভূমির্বিদীর্য্যতে। কিং স্বিদাপূর্য্যতে ব্যোম জলধারাধরৈর্ঘনৈঃ ॥২৮॥
রঙ্গস্যৈবং মতিরভূৎ ক্ষণেন বসুধাধিপ!। দ্বারঞ্চাভিমুখাঃ সর্বে বভূবুঃ প্রেক্ষকাস্তদা ॥২৯॥
পঞ্চভির্ভ্রাতৃভিঃ পার্থৈর্দ্রোণঃ পরিবৃতো বভৌ। পঞ্চতারেণ সংযুক্তঃ সাবিত্রেণেব চন্দ্রমাঃ ॥৩০॥
অশ্বত্থাম্না চ সহিতং ভ্রাতৄণাং শতমূর্জিতম্। দুর্য্যোধনমমিত্রঘ্নমুত্থিতং পর্য্যবারয়ৎ ॥৩১॥
স তৈস্তদা ভ্রাতৃভিরুদ্যতায়ুধৈর্গদাগ্রপাণিঃ সমবস্থিতৈর্বৃতঃ।
বভৌ যথা দানবসংক্ষয়ে পুরা পুরন্দরো দেবগণৈঃ সমাবৃতঃ ॥৩২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি সম্ভবে অস্ত্রদর্শনে ত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——•:(*):•——

মণগী মচি অমা মতোনদা থৌবিনা কিহনা যন্ত্রদা পান্দুনা কোয়রৈ লৈদুনা লৈয়ি, অর্জ্জুননা অরাম্বদগী তেন কুনমাথোই অমুক্তদা কাপক্তুনা শিঙ্গা অতুগী মসুংদা চংহনখি ॥২৪॥ মহারাজ! অতুগী তুংদা অর্জ্জুননা মতৌ অসুমনা থাংতা লীরুংগী অমনা তৌতমন্ত্রবা কুম্মৈ ময়াম মথং মথং উৎখি, মহু থল্লগা মথুত্তা গদা পাযদুনা হাইন-হাইন কোয়লৈ লৈদুনা গদা হায়বগী হৈশিংবসু ময়াম মমাংদা উৎখি ॥২৫॥ অতুগী তুংদা অর্জ্জুনগী হৈশিংবগী কুম্মৈ ময়াম উৎপা লোইরক্রবদা মায়কৈ মরিমক্তগী পুং শেলগী খোঞ্জেলগা লোয়ননা অর্জ্জুনবু থাগৎপগী খোল্লাউনা থর তপথথরবদা মাগুপগী হোজং লোমদগী অকিবা ফংনা খোঞ্জেন হৌনা বজ্র তাবগী খোঞ্জেনগুম পাম্বোম তক্লবগী খোঞ্জেন অমা থংহৌদনা তানখি ॥২৬—২৭॥

ময়াম্মা অসুম্মা চিংনখি— করিগুম্বা চীংবু নীংখায়দুনা তারকপরা! নত্রগা লৈমায় চেখায়থবরা! নত্রগা ঈশিংনা মবুক থল্লবা নোং মতুমশিংগী থেঙ্গাইনবগী খোঞ্জেম্মা নোংমদোন্দা পূমনিননিনত্রা! ॥২৮॥ অসুম তৌনা মহারাজ! শান্নবুংদা পৈরিবা মীয়ামগী থমোইদা চিংনবা অকিবা পোক্লখি, করি করিনো হায়না অমগা অমগা য়েংনখি, গুহাক লৈরবা তুংদা মীয়াম পুম্বা মিৎকম অমতা ওইনা হোজং লোমদা য়েংথোনরকই ॥২৯॥ যুধিষ্ঠিরনচিংবা মচিন মনাও মঙানা মায়কৈ মরি কোইশিন্নবা দ্রোণাচার্য্যনা, খুদোন মঙানা পুল্লপ পুম্না লৈবগুম থব্বানমিচাক মঙাল অমতা ওইনা শান্নবা হস্তা কৌবা নক্ষত্রনা ইন্নবা চন্দ্রমাগী মতৌগুম হায়কম থংদনা নিংখিখি ॥৩০॥ অসোমদা মপাদল কল্লবা য়েক্লবা হাৎপ্লমলবা দুর্য্যোধননা হোগৎলকপদা অশ্বত্থামাগা লোয়নরবা দুঃশাসননাচিংবা মনাও চামনা দুর্য্যোধনগী অকোয়বদা লেপখি ॥৩১॥ মতম অদুদা মথুত্তা গদা পায়বা দুর্য্যোধননা, মথল মপ্পা অয়াম্বা থুংলাই পায়বা মনাওশিংনা হৌগৎলকপা অদুদি, মমাংদৈদা লাই-হিংচাবগী লানগী মতমদা লাইয়ামখিবিরা মায়কৈ মরি কোয়শিন্নবা দেবরাজ ইন্দ্রগী মতৌগুম্মী ॥৩২॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেৎবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবদা অস্ত্রদর্শন কৌবা চামগা কুন্থ্রা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——(•)——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে অস্ত্রদর্শনঃ

(মীরোল—নিংথৌরোল পোকপগী মতাংদা অস্ত্রদর্শনগী ৱারী)

(চামা কুম্থ্রামাথোই শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

দত্তেঽবকাশে পুরুষৈর্বিস্ময়োৎফুল্ললোচনৈঃ । বিবেশ রঙ্গং বিস্তীর্ণং কর্ণঃ পরপুরঞ্জয়ঃ ॥১॥

সহজং কবচং বিভ্রৎ কুণ্ডলাদ্দ্যোতিতাননঃ । সধনুর্বদ্ধনিস্ত্রিংশঃ পাদচারীব পর্ব্বতঃ ॥২॥

কন্যাগর্ভঃ পৃথুযশাঃ পৃথায়াঃ পৃথুলোচনঃ । তীক্ষ্ণাংশোর্ভাস্করস্যাংশঃ কর্ণোঽরিগণসূদনঃ ॥৩॥

সিংহর্ষভগজেন্দ্রাণাং তুল্যবীর্য্যপরাক্রমঃ । দীপ্তিকান্তিদ্যুতিগুণৈঃ সূর্য্যেন্দুজ্বলনোপমঃ ॥৪॥

প্রাংশুঃ কনকতালাভঃ সিংহসংহননো যুবা । অসংখ্যেয়গুণঃ শ্রীমান্ ভাস্করস্যাত্মসম্ভবঃ ॥৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অস্তকপনা মমিৎ কুপ্থ্রবা থোংশংবাশিংনা লমজাইদুনা লম্বী পীরবা কান্দা মীয়াম মরক থায়দুনা য়েক্লবা লমদম ভুমলবা কর্ণনা পাক চাউরবা শান্নবুং ময়াইদা চোংথোরক্লে ॥১॥

পোকপদগী-য়াওজরবা কবচ লীৎপা, হায় হুমলবা কুণ্ডল'নিগী মশেক্তনা,
ভাম্লবা মাইথোং পুরবা, লীরুংনাকন্দা য়াম্লিবা,
তেন্দোং নমদা পোত্তিবা খব্বাংদা থাংশাং য়াম্লিবা
মখোংপানবা চীংদুম্না তপ্না লেপ্পা চংলকপগুম
চোংথোরকই কর্ণনা মীয়াম্মাংদা । কন্যা ওইরিঙৈ মতমদা,
কুন্তী দেবীনা লোম্না-থুপ্না পোকখিবা, মিংচৎনা জগৎ শিন্থ্রুংবা,
লাওরবা মমিৎ অনিনা মায়থোংগী নৈতেং ওইরিবা
মঙাল চাউরবা মুমিৎকী অংশনা শায়োল পুদুনা,
পোক্লব, য়েক্লবগী কিনফম ওইবদো মীয়াম মাংদা থোরকখি ।
মস্নাউ নোংশা শামুগুম পাজল মথৌনা নৈরবা
কর্ণ কৌবা মীথোইবনি । মঙালদা মুমিৎকুম শারবা,
কজবদা থাজবু ভুমজবা লংবদা মৈগী পাংথকনি ।
মঙালগী মরেপকা য়েংবদা মরোম্না হায়কেৎ ভুমজবা
শাবাক্না সনাগী কোনাগুম ৱাংনা চুম্না কৈজেদো ।
নোংশাগী মতৌগুম থ্রুংজেংবা পাজল থৌনা অনিমক্তদু

স নিরীক্ষ্য মহাবাহুঃ সর্বতো রঙ্গমণ্ডলম্। প্রণামং দ্রোণকৃপয়োর্নাত্যাদৃতমিবাকরোৎ ॥৬॥
স সমাজজনঃ সর্বো নিশ্চলঃ স্থিরলোচনঃ। কোঽয়মিত্যাগতক্ষোভঃ কৌতূহলপরোঽভবৎ ॥৭॥
সোঽব্রবীন্মেঘগম্ভীর-স্বরেণ বদতাং বরঃ। ভ্রাতা ভ্রাতরমজ্ঞাতং সাবিত্রঃ পাকশাসনিম্ ॥৮॥
পার্থ! যত্তে কৃতং কর্ম বিশেষবদহং ততঃ। করিষ্যে পশ্যতাং নৄণাং মাত্মনা বিস্ময়ং গমঃ ॥৯॥
অসমাপ্তে ততস্তস্য বচনে বদতাং বর!। যন্ত্রোৎক্ষিপ্ত ইবোত্তস্থৌ ক্ষিপ্রং বৈ সর্বতো জনঃ ॥১০॥
প্রীতিশ্চ মনুজব্যাঘ্র! দুর্যোধনমুপাবিশৎ। হ্রীশ্চ ক্রোধশ্চ বীভৎসুং ক্ষণেনাভ্যাবিবেশ হ ॥১১॥
ততো দ্রোণাভ্যনুজ্ঞাতঃ কর্ণঃ প্রিয়রণঃ সদা। যৎ কৃতং তত্র পার্থেন তচ্চকার মহাবলঃ ॥১২॥
অথ দুর্যোধনস্তত্র ভ্রাতৃভিঃ সহ ভারত!। কর্ণং পরিষ্বজ্য মুদা ততো বচনমব্রবীৎ ॥১৩॥
স্বাগতং তে মহাবাহো! দিষ্ট্যা প্রাপ্তোঽসি মানদ!। অহঞ্চ কুরুরাজ্যঞ্চ যথেষ্টমুপভুজ্যতাম্ ॥১৪॥

কর্ণ উবাচ।

কৃতং সর্বেণ মেঽন্যেন সখিত্বঞ্চ ত্বয়া বৃণে। দ্বন্দ্বযুদ্ধঞ্চ পার্থেন কর্তুমিচ্ছাম্যহং প্রভো! ॥১৫॥

নোংশামক্কি মতৌনি কর্ণগী গুণবু শিংথাবদি
লোইবা থগ্না নাইদেরে। মশক মতৌ ফজবা,
থমথেংলবা পাখংনি। অদিগুম্বা অকনবা কর্ণনা
মায়কৈ মরি ওন্দুনা, হয়া হয়া য়েংলগা থোইনবু কিনা তরাম্না তৌদনা
লাপ্তনা দ্রোণাচার্য্যবু অদুগা কৃপাচার্য্যবু
লাপ্না প্রনাম তৌরকই ॥২—৬॥

মতম অদুদা শান্নবুংদা তিল্লরিবা মী পুমনমক অম লোঁদনা মিংকম হোংদনা কুপ্পৈম য়েংনিংবনা লাংতক্কনা লৈনখি। "কনানো সিমাদি" অগুম হায়দুনা খংনিংবনা মীপুম খুদিংগী থমোইদা ইরাং হৌখি ॥৭॥ ব্রাঙাং হৈবগী অথোইবা, সুমিৎকী মচা কর্ণনা, মনাওমক্কি খংদবনা মনাও অর্জুনগী মফমদা, নোংখোংবগুম হৌরবা খোঞ্জেল্লা অর্জুনলোমদা লাউরকই ॥৮॥ অর্জুন! নংনা ঙসি মীয়াম মমাংদা তৌখিবা থবক পুম্নমক, অহদগী হেন্না তৌরমগে ঐ; ঐগী থবক উরগা মীয়াম মাংদা ঙকহ্নু ॥৯॥ মহারাজ! কর্ণনা অসুম হায়বা লোইরম লোইকাদ্রিবৈদো, কপ্পিগুম্বা মন্ত্র অমনা মতম অমতদা অমত্তা ওইনা চিংখত্তুনা হৌগৎহনবগুম, ভাবোক মীয়াম পুম্নমক অমুক্তমা ফুক-ফুক হৌগৎখি ॥১০॥ মতম অমদগী হৌদুনা দুর্য্যোধনগী থমোইদা নুংঙাইবা কর্ণগা মরূপ শান্ননিংবগী ইথক কয়া হৌখি, অর্জুনগী থমোইদুংদদি ইকাইবা অমাওবা পোকখে ॥১১॥ অদুগী তুংদা শান্নবুং মনাই অদুদা, অর্জুননা তৌখি তৌখিবা পুম্নমক, দ্রোণাচার্য্যগী য়াথং মথুংইন্না লানহৈবা কনবা কর্ণনা মথং মনাও নাইনা উৎখে ॥১২॥ মহারাজ! মতম অদুদা দুর্য্যোধননা মনাওশিংগা লোয়ননা কর্ণবু চেৎনা কোল্লুনা হায়রে ॥১৩॥ পাজলবা! তরাম তরাম কৌরক্কি, লাইরাক ফবন লংজবক্কি ইকাই খুম্নবা। চৎলসি ঐগা লোয়ননা, নমিং নথা তজন্ন কুরুদা য়াম্না ভোগ লৌবা য়াওরো ॥১৪॥ কর্ণনা হায়খি— অতৈ অতোপ্পাশিংনা হায়জদুনা, ঐনা মরূপ ওইবিবা মনাও, অর্জুনকা অমত্তা অমত্তা চাইনবগীদমক ঐনা হায়জরি

দুর্য্যোধন উবাচ।

ভুঙ্‌ক্ষ্ব ভোগান্ ময়া সার্দ্ধং বন্ধূনাং প্রিয়কৃদ্ভব। দুর্হৃদাং কুরু সর্ব্বেষাং মূর্দ্ধ্নি পাদমরিন্দম॥১৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ ক্ষিপ্তমিবাত্মানং মত্বা পার্থোঽভ্যভাষত। কর্ণং ভ্রাতৃসমূহস্য মধ্যেঽচলমিব স্থিতম্॥১৭॥

অর্জ্জুন উবাচ।

অনাহূতোপসৃষ্টানাম্ অনাহূতোপজল্পিনাম্। যে লোকাস্তান্ হতঃ কর্ণ! ময়া ত্বং প্রতিপৎস্যসে॥১৮॥

কর্ণ উবাচ।

রঙ্গোঽয়ং সর্ব্বসামান্যঃ কিমত্র তব ফাল্গুন।। বীর্য্যশ্রেষ্ঠাশ্চ রাজানো বলং ধর্ম্মোঽনুবর্ত্ততে॥১৯॥

কিং ক্ষেপৈর্দুর্ব্বলাশ্বাসৈঃ শরৈঃ কথয় ভারত!। গুরোঃ সমক্ষং যাবত্তে হরাম্যদ্য শিরঃ শরৈঃ॥২০॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততো দ্রোণাভ্যনুজ্ঞাতঃ পার্থঃ পরপুরঞ্জয়ঃ। ভ্রাতৃভিস্ত্বরয়াশ্লিষ্টো রণায়োপজগাম তম্॥২১॥

ততো দুর্য্যোধনেনাপি সভ্রাত্রা সমরোদ্যতঃ। পরিষ্বক্তঃ স্থিতঃ কর্ণঃ প্রগৃহ্য সশরং ধনুঃ॥২২॥

ততঃ সবিদ্যুৎস্তনিতৈঃ সেন্দ্রায়ুধপুরোগমৈঃ। আবৃতং গগনং মেঘৈর্বলাকাপঙ্‌ক্তিহাসিভিঃ॥২৩॥

নিংজরি, ঐ হৌজিক অর্জ্জুনগা নাইতোম লাম্বা পায়না অমুক্তং শোয়খিগে খলি॥১৫॥ দুর্য্যোধননা হায়খি— করবা কর্ণ! ঐগা মদুগ শায়হনা, ময়াপ অমনা খংখম থোকপা শকক পুরমক কনুনা চাদুনা ঐগা মুংঙাইনা লৈয়, মথুগ মপিজা পূবগী মুংঙাইনবম ওইয়ু, য়েক্কবা পূবগী মকোক্তা মখোংনা নেংতুনা লৈরো লাও॥১৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— কর্ণগী ৱাহাং তাবদা অর্জুননা মহাকপু থৌওইদনা নিন্দা তৌরিবনি হায়না দুর্য্যোধন অমদি মনাওশিংগী মথাংবক্তদা চীংচুনগী মতৌনুব লেংদনা লেপ্পুনা লৈরিবা কর্ণগী মকমদা হায়রকই॥১৭॥ অর্জ্জুননা হায়খি— অদুগুম্বা মীশিং অহম্না নিমন্ত্রণ ঘদনা অমদি কৌরদনা করিগুম্বা থৌলাক্ত শাওরনবা অদুগা তাংজু-শকত ইহায় হায়দনা ংংগী ফিবম অসিদা তাংলরবা শক্রুবা অদুগুম্বা ইকাইদা লৈত্রবা মীশিং অদুগী দমক শিরগা য়ৌগদৌবা শেমলিবা লোক অদো কর্ণ! ঐনা নংবু তুশি হাংলবদা অমহু লোক অহ শোয়রনা য়ৌব তাইদো॥১৮॥ কর্ণনা খুমখি— নাপল তৌরবা অর্জুন! কার্ত্তোম খংবা কনবা শামবুং হায়বসিদি মীপুম্নমকী শায়বা অমদি খেংবা য়াওরবগী অধিকার চপ মায়না লৈরিবনি। মকম অসিদা অয়েখদা নাপল তৌহনা হাংবগী করি কাঙ্গবা লৈ? মকম অসিদা কনখনবা শিংথৌ, শিংথৌ মচা কয়া তিম্নি; অদুগা ধর্ম্ম হায়বা অসিনহ পাঙ্গলগী মথাপেংদুনা ইরুনা লৈরিবনি॥১৯॥ অশোয়বগী খানববা হুংঙাইতনবা ওইবা নিন্দা তৌবগী খাইদনা করি কাঙ্গনি? খা তাংগদৌবগী শক্রকপুদি তুশিয়া খুংলাইতনা তাংগদৌবা কিবম তাংলকত। গুরিগী মুমিত্তা নংগী তক আগিগী মাখং তেত্রা নংগী মতক অদো ককুনা থাদগে॥২০॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগী তুংদা দ্রোণাচার্য্যগী য়াথং মতুংইনা অর্জ্জুননা মচিন মনাওশিংগা লোয়ননা কর্ণগী মনাক্তা চংশিনখি॥২১॥ অদুগী তুংদা দুর্য্যোধননসু মনাওশিং পুমনমক লোয়ননা কর্ণগী মায়কৈদা মীচং ওইগে হায়দুনা চংখি; মতম অদুদা কর্ণনা লীরং তেন পায়থতুনা লেপ শাতুনা লৈখি॥২২॥ অদুগী নোংথাংগম চুমথাংগা অমদি অকনবা নোংজাওগা লোয়ননবা মুরবা নোংগী মশেনা নোংমদোম

ততঃ স্নেহাদ্ধরিহয়ং দৃষ্ট্বা রঙ্গাবলোকিনম্। ভাস্করোঽপ্যনয়ন্নাশং সমীপোপগতান্ ঘনান্ ॥২৪॥
মেঘচ্ছায়োপগূঢ়স্তু ততোঽদৃশ্যত ফাল্গুনঃ। সূর্য্যাতপপরিক্ষিপ্তঃ কর্ণোঽপি সমদৃশ্যত ॥২৫॥
ধার্ত্তরাষ্ট্রা যতঃ কর্ণস্তস্মিন্ দেশে ব্যবস্থিতাঃ। ভারদ্বাজঃ কৃপো ভীষ্মো যতঃ পার্থস্ততোঽভবন্ ॥২৬
দ্বিধা রঙ্গঃ সমভবৎ স্ত্রীণাং দ্বৈধমজায়ত। কুন্তিভোজসুতা মোহং বিজ্ঞাতার্থা জগাম হ ॥২৭॥
তাং তথা মোহমাপন্নাং বিদুরঃ সর্ব্বধর্ম্মবিৎ। কুন্তীমাশ্বাসয়ামাস প্রেষ্যাভিশ্চন্দনোদকৈঃ ॥২৮॥
ততঃ প্রত্যাগতপ্রাণা তাবুভৌ পরিদংশিতৌ। পুত্রৌ দৃষ্ট্বা সুসংভ্রান্তা নান্বপদ্যত কিঞ্চন ॥২৯॥
তাবুদ্যতমহাচাপৌ কৃপঃ শারদ্বতোঽব্রবীৎ। দ্বন্দ্বযুদ্ধসমাচারে কুশলঃ সর্ব্বধর্ম্মবিৎ ॥৩০॥
অয়ং পৃথায়াস্তনয়ঃ কনীয়ান্ পাণ্ডুনন্দনঃ। কৌরবো ভবতা সার্দ্ধং দ্বন্দ্বযুদ্ধং করিষ্যতি ॥৩১॥
ত্বমপ্যেবং মহাবাহো! মাতরং পিতরং কুলম্। কথয়স্ব নরেন্দ্রাণাং যেষাং ত্বং কুলভূষণম্ ॥৩২॥
ততো বিদিত্বা পার্থস্ত্বাং প্রতিযোৎস্যতি বা ন বা। বৃথাকুলসমাচারৈর্ন যুধ্যন্তে নৃপাত্মজাঃ ॥৩৩॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তস্য কর্ণস্য ব্রীড়াবনতমাননম্। বভৌ বর্ষাম্বুবিক্লিন্নং পদ্মমাগলিতং যথা ॥৩৪॥

কুপখি; অদুগা লৈখাদনা উরেক্কী পরেং পরেং পায়বা হৌখি ॥২৩॥ অদুগী তুংদা দেবরাজ ইন্দ্রনা মচা অর্জ্জুনগী মফমদা মুংশিবগা লোয়ননা মচাগী কুম্মৈ য়েংগে হায়দুনা থোরকপা অদু উবদা সূর্য্য দেবসু মচা কর্ণগী কোকথক্তা নৈদুনা মচাগী কুম্মৈ ময়েক লানা উনবা নোংশিং অদুবু হাইদোকখি ॥২৪॥ অদুগী তুংদা অর্জ্জুনবু মূরবা নোংনা কুপ্পা অদুগা কর্ণবুনা নুমিৎকী মশেক্না কুপ্পা ওইনা উখি ॥২৫॥ কর্ণনা লেপলিবা মায়কৈদা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা চংশিন্দুনা লেপখি; অর্জ্জুননা লৈবা মায়কৈদা দ্রোণাচার্য্য কৃপাচার্য্য অমসুং ভীষ্মনা চংশিন্দুনা লেপখি ॥২৬॥ অদুনা শান্নবুংদা ভাবোক ওইরিবা মীশিং পুম্নমক নাকপাক তার্মখি, নুপীশিংগী মরক্তসু মীচং শঙন নাইনখি; কুন্তীদদি কর্ণবু মচানি খংবনা তোকম থংদনা অ্যান তাদনা লৈখি ॥২৭॥ মতম অদুদা ধর্ম্ম পূম্বা খংলবা বিদুরনা মীনাই নুপীশিংদা চন্দনগা য়াম্নবা ঈংলবা ঈশিং খিকহন্দুনা অ্যান তাদনা ষাম্বদুনা লৈরিবী কুন্তী লাইকম্হনখি অদুগা থেমজিন-হনখি ॥২৮॥ অদুদগী কুন্তীসু ভাব তারক্লনা মচা অনিমক্না মখদাং চীক্লহনা য়েংনদুনা মুক্লদুনা লৈবদু উবদা ইপা পাখঙ্গনা য়েংকম থংদনা লৈখি, অদুগা কনা ঙমহননিংবগী মাখল অট লেপ্লবা ঙমখিদে ॥২৯॥ মতম অসিদা নাইতোম শোক্লবা লালগী লালোং অমদি নিয়ম খংলবা অমসুং ধর্ম্ম খংলবা কৃপাচার্য্যনা কর্ণ অমদি অর্জ্জুন অনিমা লীক্লং পায়খংনরকপা অদু উবদা কর্ণদা হায়খি ॥৩০॥ অর্জ্জুন অসিদি কুরু বংশদা পোকপনি, কুন্তীগী ইতোন তোনবা মচানি পাণ্ডুগীনা অহৃমশুবা মচানি, অসিগা নংগা নাইতোমগী লান্দা শোক্নগদৌরিবনিদো ॥৩১॥ কর্ণ! নংসু অসিগুম্না নংগীসু মমা, মপা হৌরকফমগী পরিচয় পীয়ু অদুগা করম্বা নিংথৌগী শাগৈদা নংনা লৈতেং ওইদুনা পোকউবা অদুসু হায়ু ॥৩২॥ অদুগী তুংদা নংগী পরিচয় তারগা অর্জ্জুননা নংগা লান্থেংনবসু য়াই অদুগা পামদবসু য়াই; করিনা হায়ববু নাইতোম লান্থেংনবগী লানগী নিয়ম মতুংইন্না নিংথৌ মচাশিংনা শাগৈ খাং অতোনবদা পোকপা অমসুং লমচৎ ব্যবহার য়ান্না হন্দুনা চৎপা মীগা নাইতোম লান থক শোক্লদে ॥৩৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— কৃপাচার্য্যনা অসুম হায়রবা মতমদা কর্ণগী মায়থোং অদু ইকাইবনা নুকখিদুনা

দুর্য্যোধন উবাচ।

আচার্য্য ! ত্রিবিধা যোনী রাজ্ঞাং শাস্ত্রবিনিশ্চয়ে।　তৎকুলীনশ্চ শূরশ্চ যশ্চ সেনাং প্রকর্ষতি ॥৩৫॥
যদ্যয়ং ফাল্গুনো যুদ্ধে নারাজ্ঞা যোদ্ধুমিচ্ছতি।　তস্মাদেষোঽঙ্গবিষয়ে ময়া রাজ্যেঽভিষিচ্যতে ॥৩৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততস্তস্মিন্ ক্ষণে কর্ণঃ সলাজকুসুমৈর্ঘটৈঃ।　কাঞ্চনৈঃ কাঞ্চনে পীঠে মন্ত্রবিদ্ভির্মহারথঃ ॥৩৭॥
অভিষিক্তোঽঙ্গরাজ্যে স শ্রিয়া যুক্তো মহাবলঃ।　সচ্ছত্রবালব্যজনো জয়শব্দোত্তরেণ চ ॥৩৮॥
উবাচ কৌরবং রাজন্ ! বচনং স বৃষস্তদা।　অস্য রাজ্যপ্রদানস্য সদৃশং কিং দদানি তে ॥৩৯॥
প্রব্রূহি রাজশার্দ্দূল ! কর্ত্তা হ্যস্মি তথা নৃপ !।　অত্যন্তং সখ্যমিচ্ছামীত্যাহ তং স সুযোধনঃ ॥৪০॥
এবমুক্তস্ততঃ কর্ণস্তথেতি প্রত্যুবাচ তম্।　হর্ষাচ্চোভৌ সমাশ্লিষ্য পরাং মুদমবাপতুঃ ॥৪১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি সম্ভবে
অস্ত্রদর্শনে একত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——০:(*):০——

নোংগী ঈশিংনা তারকপদা তুকথরবা, বেল্লবা থম্বাল লৈনাগী মতৌগুম নিংথিজখি ॥৩৪॥ মতম অদুদা দুর্য্যোধননা হায়রকই— আচার্য্য ! শাস্ত্রদা ক্ষত্রিয় ওইবগী মরম অহুম লৈ, ক্ষত্রিয়গী বংশদা পোকপা অমা, মশাগী মপাঙ্গল মথৌনা অমা অহৈগা মরৌশিংনা লাম্মি তেঙ্গোল মপৈবু লূচিংহনা পুব ঙম্বা অমা— অহুম অসিনি ॥৩৫॥

অর্জ্জুননা করিগুম্বা নিংথৌমচা নত্তবা অতৈগা শোরনিংগ্রবস্মু ঙসিমক কর্ণবু অঙ্গদেশগী নিংথৌগী পদবীদা থাঙ্গত্তুনা অভিষেক তৌজগে ॥৩৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগী তুংদা বাহৈ অহু হায়না-হায়না দুর্য্যোধননা মপাঙ্গন কল্লবা মহারথী কর্ণবু সনাগী তাংবল থক্তা থাঙ্গত্তুনা মন্ত্র থংলবা ব্রাহ্মণশিংবু কৌশিন্দুনা কবোক অমসুং মনম সুংশিরবা লৈন তিল্লবা ঈশিংন থল্লবা সনাগী চকু পুশিলহল্লক্তুনা মাহগী সুমিত্তা অঙ্গ লৈবাক্কী অভিষেক তৌহনা নিংথৌ হাপখি ; মতম অদুদা কর্ণগী মায়থোংদো রাজ লক্ষ্মীগী ফজরবা মশেক মত্তাম্না নিংথিজখি, অদুগী তুংদা কনান কোক-থক্তা নিংথিজরবা ছত্র থাগ্লে, কনান কাংহাই চামর থৌগল তৌখি অদুগা রাজ কবিশিংনা "অঙ্গ দেশগী নিংথৌ কর্ণগী জয়" হায়না লাওখি ॥৩৭—৩৮॥ মহারাজ ! মতম অদুদ, কর্ণনা দুর্য্যোধনদা বাসি হায়খি— মরুপ ! নহাক্না ঙসি রাজ্য দান অসি তৌবগী করি করম লম্মন শিংগনি ? ॥৩৯॥ নিংথৌ অথোইবা ! হায়বিয়ু, অদুত্তা তৌজগনি। মতম অদুদা দুর্য্যোধননা কর্ণদা হায়খি — ঐন নংঙোন্দগী পাম্ব হায়ববু পুনসি চুপপা লেংদ্রবা মরূপ ওইনবা অসিতনি ॥৪০॥ দুর্য্যোধননা অসুম হায়রবদা কর্ণনা দুর্য্যোধনদা মাঙ্গমক থাজরে অসুম হায়না খুমখি। অনিমক দুংশিনবা হরাউবগা লোয়ননা চেৎন কোয়হনা লেংদ্রবা মরূপ ওইনবগী পুংজায়বা ফংনখি ॥৪১॥

মত্তাং অসিদা শ্রীমহাভারতত্তা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা অস্ত্রদর্শন কৌবা চাম কুন্থ্রামাথোই গুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে— অস্ত্রদর্শনং

(মীরোল—নিংথৌরোল পোকপগী মতাদা অস্ত্রদর্শনগী ৱারি)

(চামা কুহ্ন্যানিথোই শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ স্রস্তোত্তরপটঃ সপ্রস্বেদঃ সবেপথুঃ। বিবেশাধিরথো রঙ্গং যষ্টিপ্রাণো হ্বয়ন্নিব ॥১॥

তমালোক্য ধনুস্ত্যক্ত্বা পিতৃগৌরবযন্ত্রিতঃ। কর্ণোঽভিষেকার্দ্রশিরাঃ শিরসা সমবন্দত ॥২॥

ততঃ পাদাববচ্ছাদ্য পটান্তেন সসম্ভ্রমঃ। পুত্রেতি পরিপূর্ণার্থমব্রবীদ্রথসারথিঃ ॥৩॥

পরিষ্বজ্য চ তস্যাথ মূর্দ্ধানং স্নেহবিক্লবঃ। অঙ্গরাজ্যাভিষেকার্দ্রমশ্রুভিঃ সিষিচে পুনঃ ॥৪॥

তং দৃষ্ট্বা সূতপুত্রোঽয়মিতি সঞ্চিন্ত্য পাণ্ডবঃ। ভীমসেনস্তদা বাক্যমব্রবীৎ প্রহসন্নিব ॥৫॥

ন ত্বমর্হসি পার্থেন সূতপুত্র রণে বধম্। কুলস্য সদৃশস্তূর্ণং প্রতোদো গৃহ্যতাং ত্বয়া ॥৬॥

অঙ্গরাজ্যঞ্চ নার্হস্ত্বমুপভোক্তুং নরাধম। শ্বা হুতাশসমীপস্থং পুরোডাশমিবাধ্বরে ॥৭॥

এবমুক্তস্ততঃ কর্ণঃ কিঞ্চিৎ প্রস্ফুরিতাধরঃ। গগনস্থং বিনিঃশ্বস্য দিবাকরমুদৈক্ষত ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগী তুংদা অধিরথনা চেন্ডু শুরক্তনা কর্ণবু কৌর কৌরদুনা শারকুংদা চাশিন্নক্লে, মচাবু অর্জুননা হাংখিগদবা হায়না শুংঙাখিবনা ইন্নিবা ইনফি অহ হীকথহনা তাই, চানাং থাদা কায়, মপা তনিক তনিকই ॥১॥ অভিষেক তৌকবগী মকোক পুমচোৎ চোৎলবা কর্ণনা অধিরথনা চংশিনকপদু উবদা লৌরুং তেন থাদোক্রমহনা মপাবু কিনা 'শুনা তৌবগী মওংদা মকলুক্তা অধিরথদা শুকখি ॥২॥ মতম অদুদা অধিরথনা মিপাইখিহনা ফিজিনা মখোং কুপ্তুনা, "ইপাগী ইচুড়ো" অদুম হায়বা থমোই শোক্লবা অর্থ তৌরবা ৱোনখোক্লা কর্ণবু কৌখি ॥৩॥ অদুগী তুংদা অধিরথ কৌবা সূতনা শুংশিবনা থোইনা লাংতক্ষহনা কর্ণবু চেংনা কোন্দুনা অঙ্গ লৈবাক্কী নিংথৌ ওইবগী অভিষেক তৌকবগী পুমচোৎ চোৎলবা কর্ণগী কোক অদুবু অমুক মহাক্কী মিত্তরকপা মিরন চোৎহনখি ॥৪॥ মতম অদিদা পাণ্ডুগী মচানিপা ভীমনা অধিরথগী মওং মতৌ তিবম অদু উবদা কর্ণ অসিদি সারথিগী মচা ওইরে হায়বসি খংলদুনা, নকেন্নদুনা ফাক ফাক নোকলদুনা ৱা অসি হায়খি— সূতগী মচা। নংদি লানফমদা অর্জুনগী মখুত্তা নথরাই খাজহনা সেমজবা য়ংবা ফাউবা মতিক চাত্রি হাই। নংগী নজাৎকী তৌনবা মথৌ চুপালি পায়র, শগোল শাটের পাম্বা অমুক তৌনা ॥৬॥ হুইনা যজ্ঞগী অগ্নিকুণ্ডগী মরাদ থমদুনা যজ্ঞগী চরু, তনলচিংবা চাবদা য়ংবা অমমি মতিক চাদবা অদুগুম্না নিংথৌ মচাশিংগী শারুং অমিদা চংলকপা কাউবা মতিক চাত্রি হাই, অতে মবাসিগ। নংনবু অঙ্গদেশগী নিংথৌ ওইবা মতিক চাত্রা? ॥৭॥ ভীমনা অসুম্না হায়রকপা শাণ্ডবনা কর্ণগী

ততো দুর্য্যোধনঃ কোপাদুৎপপাত মহাবলঃ। ভ্রাতৃপদ্মবনাত্তস্মাদোৎকট ইব দ্বিপঃ ॥৯॥
সোঽব্রবীদ্ভীমকর্ম্মাণং ভীমসেনমবস্থিতম্। বৃকোদর! ন যুক্তস্তে বচনং বক্তুমীদৃশম্ ॥১০॥
ক্ষত্রিয়াণাং বলং জ্যেষ্ঠং যোদ্ধব্যং ক্ষত্রবন্ধুনা। শূরাণাঞ্চ নদীনাঞ্চ দুর্বিদাঃ প্রভবাঃ কিল ॥১১॥
সলিলাদুত্থিতো বহ্নির্যেন ব্যাপ্তং চরাচরম্। দধীচস্যাস্থিতো বজ্রং কৃতং দানবসূদনম্ ॥১২॥
আগ্নেয়ঃ কৃত্তিকাপুত্রো রৌদ্রো গাঙ্গেয় ইত্যপি। শ্রূয়তে ভগবান্ দেবঃ সর্ব্বদেবময়ো গুহঃ ॥১৩॥
ক্ষত্রিয়েভ্যশ্চ যে জাতা ব্রাহ্মণাস্তে চ তে শ্রুতাঃ। বিশ্বামিত্রপ্রভৃতয়ঃ প্রাপ্তা ব্রহ্মত্বমব্যয়ম্ ॥১৪॥
আচার্য্যঃ কলসাজ্জাতো দ্রোণঃ শস্ত্রভৃতাং বরঃ। গৌতমস্যান্ববায়ে চ শরস্তম্বাচ্চ গৌতমঃ।
ভবতাঞ্চ যথা জন্ম তদপ্যাগমিতং ময়া ॥১৫॥
সকুণ্ডলং সকবচং সর্ব্বলক্ষণলক্ষিতম্। কথমাদিত্যসদৃশং মৃগী ব্যাঘ্রং জনিষ্যতি ॥১৬॥
পৃথিবীরাজ্যমর্হোঽয়ং নাঙ্গরাজ্যং নরেশ্বরঃ। অনেনবাহুবীর্য্যেণ ময়া চাজ্ঞানুবর্ত্তিনা ॥১৭॥
যস্য বা মনুজস্যেদং ন ক্ষান্তং মদ্বিচেষ্টিতম্। রথমারুহ্য পদ্ভ্যাং স বিনাময়তু কার্ম্মুকম্ ॥১৮॥

চিনবান থক-থা অনি অদ্, ফ্রিং-ফ্রিং চোংঙি, হুংশা মপি হোন্দুনা মমিৎ ওলথত্তুনা নোংমদোন্দা ভাল্লিবা সুমিৎকী মায়কৈদা লেংদনা য়েংহনা লেপখি ॥৮॥ অদুগী তুংদা ময়াই কায়বা মচুম তারবা শায়ুনা থম্ব লগী বনদগী কাথৎলকপা অদুগুম্না শাওবনা মৈ হৌরবা দুর্য্যোধননা মনাওশিংগী ময়ক্তগী ফুক হেকে হৌগৎলকই ॥৯॥ মনাক্ত লৈরিবা অকিবগী মশক ফংলবা কর্ম্ম তৌবতনা মশিন ওইরবা ভীমসেনদা অসুম হায়খি— ভীম! সভা মমাংদা অদুম্না ভাংবা য়াম্না লাল্লি ॥১০॥ ক্ষত্রিয়শিংগীদি পাঙ্গলতনা অথোইবনি, অদুনা ক্ষত্রিযগী মরূপকা থেংনবদসু অকায়বা লৈতে অমসুং তৌসু তৌগদ্রোবনি, অদুগা অকনবাশিং অমসুং দুরেনশিংগী চপচাবা হৌরকফম মরূ খংবসু য়াম্না লুবনি ॥১১॥ য়েংঙু! মৈদগী ঈশিং পোকখিবনি, অদুগুম্বা মৈনা অচৎ-চত্ত পুম্নমক্ত শিন্থুংনা লৈরিবনি, অদুগা অমুকসু দধীচ মুনিগী শরূনা হিংচাবা মাংহন্নবগী ইন্দ্রগী বজ্র শাখিবনি ॥১২॥ রুদ্রদগী পোকখিবা, মৈনা অমদি গঙ্গানা নাওয়োকখিবা অদুগা কৃত্তিকাশিংনা চাউনবা য়োক-থাকখিবা ভগবান কার্ত্তিকেয় দেববু দেবতা পুম্নমক্কী মশক্কি হায়না তানরিবা অসিমত্তাই ॥১৩॥ অদুগা অমুকসু য়েংঙু, বিশ্বামিত্রনচিংবা চাউর চাউরবা ব্রাহ্মণ মুনি ঋষি কয়া ক্ষত্রিয় ঔরসতগী পোক্লবসু লেংদনা ব্রাহ্মণ ওইবনী গোত্রদা তিনখি, হায়বসি নংথোয় ঐখোই তাবিবা অসি মত্তাই অদুগা খুৎলাই পায়রবগী অথোইবা গুরু দ্রোণাচার্য্যসু চরুদগী পোকখি, গুরু কৃপাচার্য্যসু গৌতম মুনিগী বংশদা লাংদোন্দগী পোকখিবনি, অদুগা নখোয়না পোকখিবসু অদু মত্তায়, ঐ মুম্না থংলিবনি ॥১৫॥ পোক্লকপদগী কুণ্ডলগা কবচগা লোয়নরকপা অফবা লক্ষণ পুম্নমক্না তিল্লবা, সুমিৎকী মতৌগুম তেজ কল্লবা কৈগুম্বা কর্ণবু পাংক্রবী শক্তি অমোমগুম্বী অতোনবা জাতিগী মুপীনা করম হায়না পোকদৌরিবনো? ॥১৬॥ কর্ণ কৌবা নিংথৌ অসিদি ঐগী য়াথং মকুং ইন্দুনা ঐগী ইজেং লৌদুনা অমদি মহাকমকী মপান্থোমগী পাঙ্গম্না পৃথিবী পুম্বগী নিংথৌ থুবম কংবদা মতিক চায়রিবনি শিক্লবা অঙ্গদেশ অসিগীদি করি অমুক হায়রুনি ॥১৭॥ ঐনা হায়রিবা থবক অসিদ কনাগুম্বনা য়াদিংক্রবসু মথোংমক্লা য়োলাই মথক্তা কাখত্তুনা ঐগী ইমাংদা লীরি চিংদুনা

ততঃ সর্বত্র রঙ্গস্য হাহাকারো মহানভূৎ। সাধুবাদানুলব্ধঃ সূর্যশ্চাস্তমুপাগমৎ ॥১৯॥
ততো দুর্যোধনঃ কর্ণমালম্ব্যাগ্রকরে নৃপঃ। দীপিকাগ্নিকৃতালোকস্তস্মাদ্রঙ্গাদ্বিনির্যযৌ ॥২০॥
পাণ্ডবাশ্চ সহদ্রোণাঃ সকৃপাশ্চ বিশাম্পতে!। ভীষ্মেণ সহিতাঃ সর্বে যযুঃ স্বং স্বং নিবেশনম্ ॥২১॥
অর্জ্জুনেতি জনঃ কশ্চিৎ কশ্চিৎ কর্ণেতি ভারত!। কশ্চিদ্দুর্যোধনেত্যেবং ব্রুবন্তঃ প্রস্থিতাস্তদা ॥২২॥
কুন্ত্যাশ্চ প্রত্যভিজ্ঞায় দিব্যলক্ষণসূচিতম্। পুত্রমঙ্গেশ্বরং স্নেহাচ্ছন্না প্রীতিরজায়ত ॥২৩॥
দুর্যোধনস্যাপি তদা কর্ণমাসাদ্য পার্থিব!। ভয়মর্জ্জুনসঞ্জাতং ক্ষিপ্রমন্তরধীয়ত ॥২৪॥

স চাপি বীরঃ কৃতশস্ত্রনিশ্রমঃ পরেণ সাম্নাভ্যবদৎ সুযোধনম্।
যুধিষ্ঠিরস্যাপ্যভবত্তদা মতির্ন কর্ণতুল্যোঽস্তি ধনুর্দ্ধরঃ ক্ষিতৌ ॥২৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বনি
সম্ভবে অস্ত্রদর্শনে দ্বাত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০):—

তেঙ্গা খোংতুনা লেপলবা য়াগনি ॥১৮॥ অদুগী তুংদা দুর্যোধনগী খাঙাং অসি তাবদা তিল্লিবা মীয়াম পুম্বনা চুম্মি-চুম্মি হায়বা খোল্লাউ অসিগা লোয়ননা থুবাক প্রোক প্রোক খুতুনা নোক্লখি, অহম তৌন তৌনা থংহৌদনা সুমিংসু তাখে ॥১৯॥ অদুগী তুংদা নিংথৌ দুর্যোধননা কর্ণগী খুজেং পায়দুনা তুম্মিন্না লেম্না থোকখি; মতম অদুদা থাঙ্গৎলকপা থাওমৈগী মঙালদা অনিমকী মুর্ত্তি অদু ময়েকলানা উথি ॥২০॥ পাণ্ডবশিংসু দ্রোণ, কৃপ অমসুং ভীষ্মগা লোয়নদুনা মাগী মাগী ময়ুম তান্না চৎনখি ॥২১॥ অদুদগী শান্নবুংদা তিল্লম্বা ভাবোক মীয়াম অহুসু কনান অর্জ্জুনগী, কনান কর্ণগী, অদুগা কনা অমনা দুর্যোধন মতিক মগুণ থাঙ্গত্নুনা শান্নবুং অদুদগী মানা মানা চৎকদৌবা মায়কৈদা চৎনখি ॥২২॥ অসোমদা কুন্তীনা কর্ণগী মীচম অমনা ফংবা অমদি ওইবা য়াম্রবা মতিক মগুণ মশক মতৌ অদু উবদা তাংদানা মপুং ফানা মহাকমকী মচানি হায়বদু মাদুগী সুমিত্তা থংখি, অহংগা মচানা অঙ্গ দেশগী নিংথৌ ওইখিবদু উবদা থোইনা পেনখি অমদি থমোইসুংদা লোম্না থুম্না সুংভায়খি ॥২৩॥ মহারাজ! কর্ণবু ফংজবদা দুর্যোধনগীসু ভীম অর্জ্জুনবু কিরম্বদু অদুগী সুমিত্তগী খুদক্তা মাংখি ॥২৪॥ খুৎলাইগী মহৈদা নিংথিনা চংখোম্না হৈরবা কল্লবা কর্ণসু মতম লৈবখিবিক্তা সুংশিবা অমদি শেন্নবা ৱারি ৱাতাই শাদুনা দুর্যোধনগা লৈমিন্নখি। অসোমদা যুধিষ্ঠিরগীসু থমোইদা কর্ণগা মান্নবা কনবা পৃথিবীদা অতৈ অমা সৈত্রবোরে হায়না খনখি ॥২৫॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতগী শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা অস্ত্রদর্শন কৌবা চামগা কুনস্থানিথোই শুধা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—০:(*):০—

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে— দ্রুপদশাসনং নামঃ

(মীয়োল-নিংথৌয়োল পোকপগী মতাংদা দ্রুপদশাসনগী ৱারি)

(চাম্না কুম্ন্দ্রা হুমদোই শুব্বা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

পাণ্ডবান্ ধার্ত্তরাষ্ট্রাংশ্চ কৃতাস্ত্রান্ প্রসমীক্ষ্য সঃ। গুর্ব্বর্থদক্ষিণাকালে প্রাপ্তেঽমন্যত বৈ গুরুঃ ॥১॥
ততঃ শিষ্যান্ সমানীয় আচার্য্যোঽর্থমচোদয়ৎ। দ্রোণঃ সর্ব্বানশেষেণ দক্ষিণার্থং মহীপতে ! ॥২॥
পাঞ্চালরাজং দ্রুপদং গৃহীত্বা রণমূর্দ্ধনি। পর্য্যানয়ত ভদ্রং বঃ সা স্যাৎ পরমদক্ষিণা ॥৩॥
তথেত্যুক্ত্বা তু তে সর্বে রথৈস্তূর্ণং প্রহারিণঃ। আচার্য্যধনদানার্থং দ্রোণেন সহিতা যযুঃ ॥৪॥
ততোঽভিজগ্মুঃ পাঞ্চালং নিঘ্নন্তস্তে নরর্ষভাঃ। মমৃদুস্তস্য নগরং দ্রুপদস্য মহৌজসঃ ॥৫॥
দুর্য্যোধনশ্চ কর্ণশ্চ যুযুৎসুশ্চ মহাবলঃ। দুঃশাসনো বিকর্ণশ্চ জলসন্ধঃ সুলোচনঃ ॥৬॥
এতে চান্যে চ বহবঃ কুমারা বহুবিক্রমাঃ। অহং পূর্ব্বমহং পূর্ব্বমিত্যেবং ক্ষত্রিয়র্ষভাঃ ॥৭॥
ততো বররথারূঢ়াঃ কুমারাঃ সাদিভিঃ সহ। প্রবিশ্য নগরং সর্ব্বে রাজমার্গমুপাযযুঃ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— পাণ্ডু অমদি ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা থুৎলাইদা য়াম্না চংখোম্না হৈরবা অহ উবদা গুরুদা দক্ষিনা কৎপগী মতম য়োরে হায়বদু খন্দুনা বিষয় অসিদা মতৌ করম তৌনা থবক পুম্নমক অসি পাংথোক্কদগে হায়বত্তু তুশ্মিন্না মপুক্কিংদা খনবা হৌরকলে ॥১॥ মহারাজ! মাহুগী তুংদা দ্রোণাচার্য্যনা শিষ্য পুম্নমক অমতা য়াত্তনা কৌহনা মানা মানা শুমজবা গুরু দক্ষিনা কৎনবগী ৱা হৌদোকখি ॥২॥ দ্রোণনা হায়খি— ঐনা নখোয়দগী পাম্বা হায়ববু পাঞ্চাল লৈবাক্কী নিংথৌ দ্রুপদবু মাইথিবা পীদুনা চংনা ফাদুনা পুরকউ; মাদুতনা নখোয়না ঐংতোন্দা কৎপদা ঐনা খ্ৱাইদগী পাম্বা গুরু দক্ষিনা ওইগনি ॥৩॥ "য়াম্না ফনি গুরুদেব" অসুম হায়দুনা রাজকুমারশিং অদুনা থুনা-য়াংনা মাগী মাগী রথদা তোংদুনা গুরু দক্ষিনাগী দমক্তা দ্রোণাচার্য্যগা লোয়নননা পাঞ্চাল দেশ তাম্না চংখি ॥৪॥ অদুগী তুংদা দুর্য্যোধন, দুঃশাসন, কর্ণ, যুযুৎসু, বিকর্ণ, জলসন্ধ, অমদি সুলোচন মখোয়শিং অসি অদুগা অতৈ অতোপ্পা মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা রাজকুমারশিং অদুনা "ঐ হান্না শোরুগে, ঐ হান্না শোরুগে, ঐ মাংথাগে ঐ মাংথাগে," অসুম হায়না হায়না পাঞ্চাল দেশ য়োথেক্রে; থুৎকন পাঞ্জরবা, তেজ কানবা দ্রুপদ নিংথৌগী থোংনংবাশিং অদুবু হাত্তোক্লগা নগর মমুংদা চংখিদুনা পাঞ্চাল নগরবু সায়থায় শানা নৈহংখি ॥৫—৭॥ অদুগী নিংথিজরবা চাউরবা মাগী মাগী রথ মথক্তা তোংলদুনা রাজকুমারশিং অদুনা মপোল তোংবা লাশিংশিংগা লোয়নননা নগর মনুংদা চংশিনখিদুনা

তস্মিন্ কালে তু পাঞ্চাল্যঃ শ্রুত্বা দৃষ্ট্বা মহদ্বলম্। ভ্রাতৃভিঃ সহিতো রাজন্! ত্বরয়া নির্যযৌ গৃহাৎ ॥৯॥
ততস্তু কৃতসন্নাহা যজ্ঞসেনসহোদরাঃ। শরবর্ষাণি মুঞ্চন্তঃ প্রণেদুঃ সর্ব্ব এব তে ॥১০॥
ততো রথেন শুভ্রেণ সমাসাদ্য তু কৌরবান্। যজ্ঞসেনঃ শরান্ ঘোরান্ ববর্ষ যুধি দুর্জ্জয়ঃ ॥১১॥
পূর্ব্বমেব তু সংমন্ত্র্য পার্থো দ্রোণমথাব্রবীৎ। দর্পোদ্রেকাৎ কুমারাণামাচার্য্যং দ্বিজসত্তমম্ ॥১২॥
এষাং পরাক্রমস্যান্তে বয়ং কুর্য্যাম সাহসম্। এতৈরশক্যঃ পাঞ্চাল্যো গ্রহীতুং রণমূর্দ্ধনি ॥১৩॥
এবমুক্ত্বা তু কৌন্তেয়ো ভ্রাতৃভিঃ সহিতোঽনঘঃ অর্দ্ধক্রোশে তু নগরাদতিষ্ঠদ্বহিরেব সঃ ॥১৪॥
দ্রুপদঃ কৌরবান্ দৃষ্ট্বা প্রাধাবত সমন্ততঃ। শরজালেন মহতা মোহয়ন্ কৌরবীং চমূম্ ॥১৫॥
তমুদ্যতং রথেনৈকমাশুকারিণমাহবে। অনেকমিব সন্ত্রাসান্মেনিরে তত্র কৌরবাঃ ॥১৬॥
দ্রুপদস্য শরা ঘোরা বিচেরুঃ সর্ব্বতো দিশম্। ততঃ শঙ্খাশ্চ ভের্য্যশ্চ মৃদঙ্গাশ্চ সহস্রশঃ ॥১৭॥
প্রাবাদ্যন্ত মহারাজ! পাঞ্চালানাং নিবেশনে। সিংহনাদশ্চ সংজজ্ঞে পাঞ্চালানাং মহাত্মনাম্ ॥১৮॥
ধনুর্জ্যাতলশব্দশ্চ সংস্পৃশ্য গগনং মহান্। দুর্য্যোধনো বিকর্ণশ্চ সুবাহুর্দীর্ঘলোচনঃ ॥১৯॥
দুঃশাসনশ্চ সংক্রুদ্ধাঃ শরবর্ষৈরবাকিরন্। সোঽতিবিদ্ধো মহেষ্বাসঃ পার্ষতো যুধি দুর্জ্জয়ঃ ॥২০॥

কোম্নুংগী অচৌ অচৌবা সডকতা চংশিনখি ॥৮॥ মহারাজ! মতম অসিদা দ্রুপদ নিংথৌনা অসিগুম্বা পাউ অসি তাবদা অদুম্নুং পাক চাউরবা লাম্নি মপৈ অহ লায়কপা উবদা মনাওশিংগা লোয়ননা থুনা য়াংনা কোম্নুং মন্নুংদগী থোরক্লে ॥৯॥ অদুগী তুংদা দ্রুপদ নিংথৌগী মচিন মনাও পুন্নমক মখোয়গা লাম্হেংনগে হায়দুনা শেম শাদুনা তেনতনা নোংচুবগী মতৌগুম কাপলকই অমম্নুং সিংহনাদ থোক্লেল লাউরকই ॥১০॥ অদুগী তুংদা লানফমদা অমনা শুমফত্রবা দ্রুপদ নিংথৌনা চাউরবা কৌরবা রথ মথক্তা তোংখত্তুনা কৌরব লাম্নি পুন্নমক্কী মনাক্তা চংখিহনা অকিবগী মশক ফংনা তেন্না নোংচুবগী মতৌগুম কৌরব লাম্নিগী মথক্তা হৈপখি ॥১১॥ অর্জ্জুনদি লানথেংনত্রিঙৈগী মমাংদা শত্তে রাজকুমারশিং অদুগী নাপল য়াম্না তৌবা অমদি তফিং তফিংনা লানচংবা অহ উবদা মপুক্লিংদা মুক্না থন্দুনা ব্রাহ্মণ অথোইবা দ্রোণাচার্য্যগী মফমদা হায়খি ॥১২॥ মখোয়গী মপাঙ্গল মথৌনা উৎপা লোয়রবা তুংদা ঐখোয়গী পাঙ্গল অমুক উৎকনি। মখোয়না কদৌঙৈদসু লানফমদা মায়থিবা পীহনা দ্রুপদ নিংথৌবু ফাহনা পীবা ঙমলোইদবনি ॥১৩॥ হয়া অসি হায়রগা পাপ লেত্রবা কুন্তীগী মচানিপা অর্জ্জুননা মচিন মনাওশিংগা লোয়ননা নগরদগী মুথক তংখায় অমা লাপ্না লৈখি ॥১৪॥ দ্রুপদ নিংথৌনা কৌরবশিং অদুবু উবদা মায়কৈ পূম্বদা কোইচৎ চত্তুনা পাক চাউরবা তেনগী মশক ওইরবা উমা কুপ্পুনা কৌরব [illegible] তৌফম খংহন্দনা মিপাইহনখি ॥১৫॥ দ্রুপদ নিংথৌনা [illegible] রথ অদুদা তোংদুনা [illegible] অমদি খেংনৈ থুনা মফম পুন্নমক য়ৌনা কাপশিনরকপা [illegible] কৌরব পুন্নমক্না কিননা [illegible] দ্রুপদ অমতবু মশিং লাকুত্তমত্রবা দ্রুপদ [illegible] ॥১৬॥ দ্রুপদ নিংথৌগী অকিবগী [illegible] তেন মরাম অদুনা মায়কৈ [illegible] কোইরে [illegible] মনুংদা মোইবুং, পুং, পুংজাউ [illegible] পাঞ্চাল দেশকী লাম্নিশিংনা সিংহনাদ [illegible]

ব্যধমত্তান্যনীকানি তৎক্ষণাদেব ভারত ! । দুর্য্যোধনং বিকর্ণঞ্চ কর্ণঞ্চাপি মহাবলম্ ॥২১॥
নানানৃপসুতান্ বীরান্ সৈন্যানি বিবিধানি চ । অলাতচক্রবৎ সর্বং চরন্ বাণৈরতর্পয়ৎ ॥২২॥
ততস্তু নাগরাঃ সর্বে মুসলৈর্যষ্টিভিস্তদা । অভ্যবর্ষন্ত কৌরব্যান্ বর্ষমাণা ঘনা ইব ॥২৩॥
সবালবৃদ্ধাস্তে পৌরাঃ কৌরবানভ্যযুস্তদা । শ্রুত্বা তু তুমুলং যুদ্ধং কৌরবানেব ভারত ! ॥২৪॥
দ্রবন্তি স্ম নদন্তি স্ম ক্রোশন্তঃ পাণ্ডবান্ প্রতি । পাণ্ডবাস্তু স্বনং শ্রুত্বা আর্ত্তানাং রোমহর্ষণম্ ॥২৫॥
অভিবাদ্য ততো দ্রোণং রথানারুরুহুস্তদা । যুধিষ্ঠিরং নিবার্য্যাশু মা যুধ্যস্বেতি পাণ্ডবম্ ॥২৬॥
মাদ্রেয়ৌ চক্ররক্ষৌ তু ফাল্গুনশ্চ তদাঽকরোৎ । সেনাগ্রগো ভীমসেনঃ সদাঽভূদ্‌গদয়া সহ ॥২৭॥
তদা শত্রুস্বনং শ্রুত্বা ভ্রাতৃভিঃ সহিতোঽনঘঃ । আয়াজ্জবেন কৌন্তেয়ো রথেন নাদয়ন্ দিশঃ ॥২৮॥
পাঞ্চালানাং ততঃ সেনামুদ্ধতার্ণবনিস্বনাম্ । ভীমসেনো মহাবাহুর্দণ্ডপাণিরিবান্তকঃ ॥২৯॥
প্রবিবেশ মহাসেনাং মকরঃ সাগরং যথা । স্বয়মভ্যদ্রবদ্ভীমো নাগানীকং গদাধরঃ ॥৩০॥

নিলখি। মতম অদুদা দুর্য্যোধন, দুঃশাসন, বিকর্ণ, সুবাহু অমসুং দীর্ঘলোচন মখোয়শিং অসিনা অশাওবগা লোয়ননা দ্রুপদগী মথক্তা তেনগী নোং চুর্থখি। মতম অদুদা অচৌবা লীকং পায়রবা, লানফমদা অমনা পাক ভমফত্রবা দ্রুপদ নিংথৌনা মখোয়গী তেন্না থোইদোক্লা কন্না পান্না কাউবদা য়েক্লবগী লাম্মিশিংবু অমসুং দুর্য্যোধন, বিকর্ণ, অমসুং কান্নবা কর্ণবুসু অকনবা চৈনাথোল পীদুনা তেন্না থাখি ॥১৭—২১॥ মহাক্না মৈতাল অশাবগী চক্রগী মতৌগুম কোয়রলে লৈদুনা তেনতনা অতোপ অতোপ্পা দেশগী নিংথৌ মচাশিং অদুবু অমসুং লাম্মি মথল মথলবু মীপুম থিংনা থাখি ॥২২॥ অদুগী তুংদা নগরদা লৈবা মী পুম্নমক অমতা ওইনা হৌরক্লুনা কৌরবশিংগী মথক্তা অতং অথম নাইদনা চুথরকপা নোংগী মরিগী মতৌগুম চৈতুপ, মুংগুক, অমদি য়োংকী গদানচিংবনা কুথরক্লে ॥২৩॥ কোন্নুংদা লৈরা মী পুম্নমক্লা অকিবা কংনা খুৎথেংননা শোক্লবা লানগী পাউ তাবদা অঙাং অমদি অহল্লবাশিংগা লোয়ননা কৌরব লাম্মিশিংগী মায়কৈদা চংশিল্লকই অমসুং লাওনা লৈরিবা পাণ্ডবশিং অদুগী মফমদা লাউরমদুনা নাক্তা লৈরিবা কৌরবশিং অদুগী মফমদা অকিবগী মখক কংনা লাউ থোকদুনা চংশিনখি ; মতম অদুদা পাণ্ডবশিংনা অহাবা তাবদা কৌরবশিং অদুগী অকিবগী মখক কংনা তুমুলবা শোক্লবা অহাবা থোক্লেলশিং অদু তাবদা দ্রোণাচার্য্যবু খুরুমজদুনা, "য়াম্মুংদি লান শোক্লবিরহ" অদুম হায়না যুধিষ্ঠিরবু থাদ্রগা খুনা য়াংনা রথ মথক্ত কাখৎখি ।২৪—২৬॥ মতম অদুদা অর্জ্জুননা নকুল অমদি সহদেব অনিবু চক্র-রাকপা ওইহনখি অদুগা ভীমনা গদা পায়দুনা লাম্মিশিং অদুগী মায়থাদা চংশিল্লকই ॥২৭॥ য়েক্লবা লাম্মিগী খোনাও তাবদা অর্জ্জুননা মচিন মনাওশিংগা লোয়ননা রথ খৌবগী খোক্লেলতনা মায়কৈ তারা পুম্বনিল শিংজলহনা রথ থৌজিনক্লে, অমগী মতা পায়বা ভীমসেননা দণ্ড পায়বা যমগী মতৌগুম হৈবক হৌরবা সমুদ্রগী খোক্লেলগুম ভংহনা পাঞ্চাল লাম্মিগী মায়কৈ লেপলা তুজিনক্লে ॥২৮-২৯॥ খুরীরনা দৈরাবিবগী সমুদ্রদোমদা হোৎচিনখিবগুম ভীমসেননা পাঞ্চাল লাম্মিশিংগী মায়কৈদা চংশিনখি, অদুগী মথুক্তা গদা পায়দুনা শাথু লাম্মিশিংগী মনাক্তামা তুজিনখি ॥৩০॥

স যুদ্ধকুশলঃ পার্থো বাহুবীর্য্যেণ চাতুলঃ। অহনৎ কুঞ্জরানীকং গদয়া কালরূপধৃক্ ॥৩১॥
তে গজা গিরিসঙ্কাশাঃ ক্ষরন্তো রুধিরং বহু। ভীমসেনস্য গদয়া ভিন্নমস্তকপিণ্ডকাঃ ॥৩২॥
পতন্তি দ্বিরদা ভূমৌ বজ্রঘাতাদিবাচলাঃ। গজানশ্বান্ রথাংশ্চৈব পাতয়ামাস পাণ্ডবঃ ॥৩৩॥
পদাতীংশ্চ রথাংশ্চৈব ন্যবধীদর্জ্জুনাগ্রজঃ। গোপাল ইব দণ্ডেন যথা পশুগণান্ বনে ॥৩৪॥
চালয়ন্ রথনাগাংশ্চ সঞ্চচাল বৃকোদরঃ। ভারদ্বাজপ্রিয়ং কর্ত্তুমুদ্যতঃ ফাল্গুনস্তদা ॥৩৫॥
পার্ষতং শরজালেন ক্ষিপন্ নাগান্ স পাণ্ডবঃ। হয়ৌঘাংশ্চ রথৌঘাংশ্চ গজৌঘাংশ্চ সমন্ততঃ ॥৩৬॥
পাতয়ন্ সমরে রাজন্! যুগান্তাগ্নিরিব জ্বলন্। ততস্তে হন্যমানা বৈ পাঞ্চালাঃ সৃঞ্জয়াস্তথা ॥৩৭॥
শরৈর্নানাবিধৈস্তূর্ণং পার্থং সংছাদ্য সর্ব্বশঃ। সিংহনাদং মুখৈঃ কৃত্বা সমযুধ্যন্ত পাণ্ডবম্ ॥৩৮॥
তদ্যুদ্ধমভবদ্ঘোরং সুমহদ্ভুতদর্শনম্। সিংহনাদস্বনং শ্রুত্বা নামৃষ্যৎ পাকশাসনিঃ ॥৩৯॥
ততঃ কিরীটী সহসা পাঞ্চালান্ সমরেঽদ্রবৎ। ছাদয়ন্নিষুজালেন মহতা মোহয়ন্নিব ॥৪০॥
শীঘ্রমভ্যস্যতো বাণান্ সন্দধানস্য চানিশম্। নান্তরং দদৃশে কিঞ্চিৎ কৌন্তেয়স্য যশস্বিনঃ ॥৪১॥
সিংহনাদশ্চ সংজজ্ঞে সাধুশব্দেন মিশ্রিতঃ। ততঃ পাঞ্চালরাজস্তু তথা সত্যজিতা সহ ॥৪২॥

লান্দা হৈ শিংঙবা পাম্বোমগী পাঙনদা মপালৈত্রবা ভীমসেননা মথুত্তা গদা পায়দুনা যমরাজগী মূর্ত্তি লৌদুনা গদাতনা শামুগী লাম্মি পুম্নমক লোইনা মাংহনখি ॥৩১॥ ভীমসেনগী গদানা ফুথরকপদা চীংদুমগী মতৌগুম চাউরবা শামুশিং অদুগী মকোক অদু উকুল মরিকমুক্তা কুপ্না কায়খি, অতং অথম নাইদনা ঈথেং হাথখি ॥৩২॥ বজ্রনা থাবদা চীংদম্বা নিংথায়দুনা তাবগুম শামু পুম্নমক অদু লৈমায়থক্তা হাইথহনা তুনরক্রে। মতৌ অসুম্না ভীমসেন গদাতনা ফুদ্বনা শগোল, শামু, রথ পুম্নমক লৈমাযথক্তা হাইথহনখি ॥৩৩॥ যণশেলনহানা যংলুপ্তা চংশিন্দুনা চৈতুগুনা যণ ইরেই ময়াম তাম্নরক-পগুম ভীমসেননা গদাতনা খোংমী অমদি রথীশিংবু তাম্ন তাম্নদুনা ফুবা হৌরক্রে ॥৩৪॥ মতৌ অসুম্না ভীমসেননা লম য়ান্দুনা মহাক্কী রথী অমদি শামু ময়াম্বু মাং থাদুনা চংশিনখি; অর্জ্জুনসু গুরু দ্রোণাচার্য্যগী পেম্নবা থবক তৌগে হায়না থৌরাং তৌরক্রে ॥৩৫॥ অর্জ্জুননা মশিং লাকত্তবজ্রবা তেনগী মপৈখিকথ-রক্কুনা দ্রুপদ নিংথৌবু অমদি মহাক্কী শামুশিংবু অম্বাবা পীবা হৌরক্রে শগোল, শামু, রথ মপৈ মপৈবু মাংহনলক্কুনা প্রলয়গী মৈগী মতৌগুম চাকশিন্নক্রে অমসুং লানকমগী মায়কৈ পুম্বদা কোয়চৎ চন্দুনা য়েক্কবাশিংবু কোয়তান তাম্নরক্রে। মতম অদুদা পাঞ্চালশিং সৃঞ্জয়শিং পুম্নমক অর্জ্জুনগী তোম্না থংবদা অশাওবগা লোয়নমা মায়কৈ মরিমক্কগী মথল মথা অয়াম্বা তেনগী মপৈ কাপশিন্নক্কুনা অর্জ্জুনবু তেনতনা কুপ্পুনা নোংশাগী খোম্লাউ লাওর লাওরদুনা অর্জ্জুনগী মায়কৈদা মুজিনক্রে ॥৩৬—৩৮॥ লান অদু অকিবগী মশক ফংলে, য়েংবদা অকিবা অঙকপা পোকই। য়েক্কবশিংগী সিংহনাদ খোম্লেল তাবদা খাংদুনা লৈবা ঙম্মক্রে ॥৩৯॥ অদুগী তুংদা অর্জ্জুননা তেনগী মপৈনা লাংগী মতৌগুম য়েক্কবশিংবু কুপশিন্দুনা গুম্বংখি, থুনা য়াংনা পাঞ্চালশিংগী মরক্তা হোৎচিন্নখি ॥৪০॥ মতম অদুদা মিংচৎ চাউরবা অর্জ্জুননা তেনজোংবগী তেন শৎলগা, তেন খোংলগা, লৌমিজিংলগা তেন কাম্না অশিনচিংবগী মরক্তা খাক খাক হোরিবা মতম অদু কনা অমত্তনা উথিসে থংখিদে ॥৪১॥ মরম অদুনা পাণ্ডবশিংগী

স্মরমাণোঽভিদুদ্রাব মহেন্দ্রং শম্বরো যথা। মহতা শরবর্ষেণ পার্থঃ পাঞ্চালমাবৃণোৎ ॥৪৩॥
ততো হলহলাশব্দ আসীৎ পাঞ্চালকে বলে। জিঘৃক্ষতি মহাসিংহে গজানামিব যূথপম্ ॥৪৪॥
দৃষ্ট্বা পার্থং তদায়ান্তং সত্যজিৎ সত্যবিক্রমঃ। পাঞ্চালং বৈ পরিপ্রেপ্সুর্ধনঞ্জয়মুপাদ্রবৎ ॥৪৫॥
ততস্ত্বর্জুনপাঞ্চালৌ যুদ্ধায় সমুপাগতৌ। ব্যক্ষোভয়েতাং তৌ সৈন্যমিন্দ্রবৈরোচনাবিব ॥৪৬॥
ততঃ সত্যজিতং পার্থো দশভির্মর্ম্মভেদিভিঃ। বিব্যাধ বলবদ্গাঢ়ং তদদ্ভুতমিবাভবৎ ॥৪৭॥
ততঃ শরশতৈঃ পার্থং পাঞ্চালঃ শীঘ্রমার্দ্দয়ৎ। পার্থস্তু শরবর্ষেণ চ্ছাদ্যমানো মহারথঃ ॥৪৮॥
বেগং চক্রে মহাবেগো ধনুর্জ্যামবমৃজ্য চ। ততঃ সত্যজিতশ্চাপং ছিত্ত্বা রাজানমভ্যয়াৎ ॥৪৯॥
অথান্যদ্ধনুরাদায় সত্যজিদ্বেগবত্তরম্। সাশ্বং সসূতং সরথং পার্থং বিব্যাধ সত্বরঃ ॥৫০॥
স তং ন মমৃষে পার্থঃ পাঞ্চালেনার্দ্দিতো যুধি। ততস্তস্য বিনাশার্থং সত্বরং ব্যসৃজচ্ছরান্ ॥৫১॥
হয়ান্ ধ্বজং ধনুর্মুষ্টিমুভৌ তৌ পার্ষ্ণিসারথী। স তথা ভিদ্যমানেষু কার্ম্মুকেষু পুনঃ পুনঃ ॥৫২॥
হয়েষু বিনিযুক্তেষু বিমুখোঽভবদাহবে। স সত্যজিতমালোক্য তথা বিমুখমাহবে ॥৫৩॥

পক্কদা লৈরিবাশিংনা য়াইফৈ-যাইফৈ, থাগৎনিংঙায়নি অশুম হায়বা থাগৎপা খোঞ্জেম্না সিংহনাদ লাওনরকই, অদুগী তুংদা, মমাংঙৈদা শম্বরাসুরনা দেবরাজ ইন্দ্রগী মফমদা চেনশিল্লকপা অদুগুম্না দ্রুপদ নিংথৌনা মনাও সত্যজিতকা লোয়ননা থুনা য়াংনা অর্জ্জুনগী মনাক্তাম্না চেলশিল্লকই। মতম অদুদা অর্জ্জুননা মশিং লাকপ্রমদ্রবা তেনগী মপৈনা দ্রুপদগী মশা পুম্নমক কুপথি ॥৪২—৪৩॥ অদুগী মতুংদা চাউরবা নোংশানা অচৌব শামুবু ফাগে হায়দুনা হোৎনরকপগুম অর্জ্জুননা দ্রুপদবু ফাগে হায়না তৌরকপা ফিবম উবদা পাঞ্চাল দেশগী মী পুম্নমক্না মাংলে মাংলে অসুম হায়না অকিবা সুংঙায়তবগা লোয়ননা লাওনরকই ॥৪৪॥ মতম অদুদা মতিক চপ চানা মপাঙ্গল কল্লবা সত্যজিৎনা অর্জ্জুননা চংশিল্লকপা অদু উবদা দ্রুপদবু কনগে হায়দুনা অর্জ্জুনগী মায়কৈ য়োমদা চংশিল্লবই ॥৪৫॥ অদুগী তুংদা অর্জ্জুনগা সত্যজিৎকা অনিনা মুথা মুথি ওইনরকদুনা ইন্দ্র অমদি বলি অনিনা চিনলোকনরকদুনা লান্মি তেঙ্গোল মপৈবু মিপায়হনবা অদুগুম লান্মি মপৈবু অকিবা পোকহনখি অমদি থব্বাই হকচাং থক থক নিকহনখি ॥৪৬॥ অদুদগী অর্জ্জুননা (থজিল থুম্না পাল্লবা) থৌরবা তেন তরানা সত্যজিৎতা থাখি; থৌদোক অসি অদুকপগী মশক অমা ওইনা মী পুম্নমকী থমোইদা কাওখি ॥৪৭॥ অদুগী তুংদা সত্যজিৎনা তেন চামনা অর্জ্জুনগী মশাদা থাখি। মহারথী ওইরবা শাফু কাল্লবা অর্জ্জুননা তেন্না নোংচুবগুম হৈথদুনা, লীরিবু অমুক লাকশিন্দুনা অমদি নান্দুনা, ফিবম শেমদুনা সত্যজিৎকী মথুত্তা পায়রিবা লীরংবু ককথৎলম্বগা দ্রুপদগী মায়কৈরোমদা হোৎচিনখি ॥৪৮—৪৯॥ অদুদগী সত্যজিৎনা থুনা য়াংনা অতোপ্পা লীরং অমা পায়দুনা শগোল, শাফু, রথ অমসুং সারথিগা লোয়ননা অর্জ্জুনদা তেন্না থাদকই ॥৫০॥ সত্যজিৎকী তেন্না চৈনাগোল কংলবা অর্জ্জুন অসি মাগী মকথদা অমুক হন্না ডাকপিখিদরে, অদুনা সত্যজিৎপু মহাৎলগে খন্দুনা থুনা য়াংনা সত্যজিৎকী মায়কৈদা তেন কাপশিল্লক্রে ॥৫১॥ কাপলকলিবা তেন ময়াম অসিনা সত্যজিৎকী শগোল, ফিরাল, লীরং থুত্তম, অমসুং মাক য়েংতা লৈবা লান্মি অমহি শারথি অনিবুসু ককথত্তুনা থাদ্রে। মতৌ অসুমনা হন্না হন্না লীরং কয়া

বেগেন মহতা রাজন্নভ্যধাবত পার্ষতম্। তথা চক্রে মহদ্যুদ্ধমর্জুনো জয়তাং বরঃ ॥৫৪॥
তস্য পার্থো ধনুশ্ছিত্বা ধ্বজঞ্চোর্ব্বীমপাতয়ৎ। পঞ্চভিস্তস্য বিব্যাধ হয়ান্ সূতঞ্চ সায়কৈঃ ॥৫৫॥
তত উৎসৃজ্য তচ্চাপমাদদানঃ শরাবরম্। খড়্গমুদ্ধৃত্য কৌন্তেয়ঃ সিংহনাদমথাকরোৎ ॥৫৬॥
পাঞ্চালস্য রথস্যেষামাপ্লুত্য সহসাহপতৎ। পাঞ্চালরথমাস্থায় অবিত্রস্তো ধনঞ্জয়ঃ ॥৫৭॥
বিক্ষোভ্যাম্ভোনিধিং তার্ক্ষ্যস্তং নাগমিব সোহগ্রহীৎ। ততস্তু সর্ব্বপাঞ্চালা বিদ্রবন্তি দিশো দশ ॥৫৮॥
দর্শয়ন্ সর্ব্বসৈন্যানাং স বাহ্বোর্বলমাত্মনঃ। সিংনাদস্বনং কৃত্বা নির্জগাম ধনঞ্জয়ঃ ॥৫৯॥
আয়ান্তমর্জ্জুনং দৃষ্ট্বা কুমারাঃ সহিতাস্তদা। মমৃদুস্তস্য নগরং দ্রুপদস্য মহাত্মনঃ ॥৬০॥

অর্জ্জুন উবাচ।

সম্বন্ধী কুরুবীরাণাং দ্রুপদো রাজসত্তমঃ। মা বধীস্তদ্বলং ভীম! গুরুদানং প্রদীয়তাম্ ॥৬১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ভীমসেনস্তদা রাজন্! অর্জ্জুনেন নিবারিতঃ। অতৃপ্তো যুদ্ধধর্ম্মেষু ন্যবর্ত্তত মহাবলঃ ॥৬২॥
তে যজ্ঞসেনং দ্রুপদং গৃহীত্বা রণমূর্দ্ধনি। উপাজহ্রুঃ সহামাত্যং দ্রোণায় ভরতর্ষভ! ॥৬৩॥
ভগ্নদর্পং হৃতধনং তং তথা বশমাগতম্। স বৈরং মনসা ধ্যাত্বা দ্রোণো দ্রুপদমব্রবীৎ ॥৬৪॥

ককথংখ্রবদা অহগা শগোলশিং অত্তুনা রথবু থাদদুনা লৈমাযথক্তা ভুখ্রবদা সত্যজিৎ অসি মমাই থৈজনা চেনখ্রে। অর্জ্জুননা, সত্যজিৎনা মমাই থেন্দুনা চেনবতু উবদা খোংপাং কন্না দ্রুপদগী মায়কৈ রোমদা চেনশিল্লকই। মতম অহুদা লানভম্বগী মমুংদা অথোইবা অর্জ্জুননা দ্রুপদগা লোযননা থোংদোক্ল কন্না লানথেংনখি ॥৫২—৫৪॥ অর্জ্জুননা দ্রুপদগী লীকং হান্না ককথংলগা অহগী তুংদা ফিরান ককথত্তুনা লৈমাযথক্তা থাদখি, অহুদগী তেন মঙা মঙনা দ্রুপদগী শগোল অমদি সারথিবু কক্তুনা থাদখি ॥৫৫॥ অহুদগী অর্জ্জুননা লীকং থাদোক্লমথনা থাং শক্তুনা লান মশোক্লদ তোল্লবা দ্রুপদবু ফাগে হায়দুনা সিংহনাদ লাওনা দ্রুপদগী মনাক্তা লেপখি ॥৫৬॥ মিকুপ অমগী মমুংদা অকি অথং নাইদ্রবা অর্জ্জুননা রথ মথক্তা ফন চোংথংলক্তুনা রথগী মুন্নী অহ থুংনামনা কোন্দুনা গরুড়না সমুদ্রবু নৈহনা অচৌবা লিলবু কাবগুম দ্রুপদবু কোন্দুনা কাখি, মতম অহদা পাঞ্চাল লান্মি পুম্নমক মায়কৈ তরা খাংনা কায়দ্রনা চেনখি ॥৫৭—৫৮॥

হন্তৌ অসুন্না অর্জ্জুননা লান্মি পুম্নমককী মমাংদা মথৌনা মপাঙ্গন উৎলগা সিংহনাদ অমদি ... লাওনা লাওনদুনা দ্রুপদবু ফাদুনা লানফমদগী থোরক্রে ॥৫৯॥ মতম অহুদা নিংথৌ মচাশিং অহুনা অর্জ্জুন লাকপা অহু উবদা পুম্নমক তিন্নদুনা দ্রুপদগী কোনুং অহ নৈহংপা হৌরক্রে ॥৬০॥ অর্জ্জুননা হায়রকই— যাম্নং যাইবা ভীমসেন! নিংথৌ অথোইবা দ্রুপদসে কুরুগী অকনবাশিংগী শাগৈগনি; অদুনা মহাককী লান্মি পুম্নমকপু লোইনা হাংশিনসু, ময়াম্না লৌবিরোসে, দ্রুপদসি পুদুনা গুরু দক্ষিনা কংশিনরো ॥৬১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মহারাজ! মমাও অর্জ্জুননা থিংলে হায়দুনা মপাঙ্গন কল্লবা ভীমসেন অসি লানশোক্লবদা পেত্রিদি হায়ববু তোকনিং তোকনিংদনা লান্দগী হন্দোকখি ॥৬২॥ কুমারশিং অহনা লানফমদা মন্ত্রীগা লোয়ননা দ্রুপদ নিংথৌবু কা-পুন্দুনা পুরক্তুনা গুরু দ্রোণাচার্য্যগী চরণদা গুরু দক্ষিনা ওইনা কংখি ॥৬৩॥ মতম অহুদা দ্রোণাচার্য্যনা মমাংতৈদগী

বিসৃষ্ট ভৱসা রাষ্ট্রং পুরং তে মুদিতং ময়া। প্রাপ্য জীবং রিপুবশং সখিপূর্ব্বং কিমিষ্যতে ॥৬৫॥
এবমুক্ত্বা প্রহস্যৈনং কিঞ্চিৎ স পুনরব্রবীৎ। মা ভৈঃ প্রাণভয়াদ্বীর! ক্ষমিণো ব্রাহ্মণা বয়ম্ ॥৬৬॥
আশ্রমে ক্রীড়িতং যত্তু ত্বয়া বাল্যে ময়া সহ। তেন সংবর্দ্ধিতঃ স্নেহঃ প্রীতিশ্চ ক্ষত্রিয়র্ষভ! ॥৬৭॥
প্রার্থয়েয়ং ত্বয়া সখ্যং পুনরেব জনাধিপ!। বরং দদামি তে রাজন্! রাজ্যস্যার্দ্ধমবাপ্নুহি ॥৬৮॥
অরাজা কিল নো রাজ্ঞঃ সখা ভবিতুমর্হতি। অতঃ প্রযতিতং রাজ্যে! যজ্ঞসেন! ময়া তব ॥৬৯॥
রাজাসি দক্ষিণে কূলে ভাগীরথ্যাহমুত্তরে। সখায়ং মাং বিজানীহি পাঞ্চাল! যদি মন্যসে ॥৭০॥

দ্রুপদ উবাচ।

অনাশ্চর্য্যমিদং ব্রহ্মন্! বিক্রান্তেষু মহাত্মসু। প্রীয়ে ত্বয়াহং ত্বত্তশ্চ প্রীতিমিচ্ছামি শাশ্বতীম্ ॥৭১॥

শীংতুনা লৈগ্রবা অমদি মমাংদগী যেক্লবা ওইখ্রবা অসি পুমনমক মিংশিংলক্তুনা নাপল কাযখ্রবা, মরল-মথুম মুনবিরবা অমসুং তৌনিংবদা তৌবা যারবা দ্রুপদদা হায়খি— ॥৬৪। দ্রুপদ! ঐনা নংগী লৈপাকপু তুমনা মাংহন্দুনা নংগী সিংহাসনবুসু ইথুৎ চল্লেদো, হৌজিক নংগী পুনসি অসিসু নংগী যেকনবা ঐগী ইখা পোম্নবনি, হৌজিক ঐনা তৌনিংবদা তৌবা য়াই, অদুনা হায়য় দ্রুপদ! হৌজিক ঐগা মরুপ শান্নদুনা ঐগা সন্ধি তৌরগা ঐহোন্দগী করি ফংনিংবগে? হায়মু (*) ॥৬৫॥ মে'মোন নোক্তুনা দ্রোণনা দ্রুপদদা অমুক হায়রকই— অকনবা! নথব্রাই মাংগনি হায়দুনা থক কিগনু, হাৎপিবোই ঐখোইদি ঙাকপিহৈবা ব্রাহ্মণনি ॥৬৬॥ হে ক্ষত্রিযশিংগী অথোইবা! নং অসি অঙাং ওইরিঙৈদা গুরুগী অ'শ্রম অমতদা লৈমিন্নদুনা, ইহৈ তম্মিন্নদুনা শান্নদুনা লৈমিন্নরম্বনি, মাদুদা কথাদা নুংশিনা চাননা লৈমিন্নরম্বা! ॥৬৭॥ অদুনা মহারাজ! নংনা অপাম্বা হায়য়, য়াদ্রগা ঐগী অপাম্বা হাযগে— অহৈঙৈগী নংগা ঐগা নুংশিননা মরূপ ওইনবদো ঐনা নংগী নফমদগী নিজরি, নিংথৌ! নংঙোন্দা বর পীরবা অসিনি— নং লৈবাক অসিগী তংখায় অমা লৌরো ॥৬৮॥ করিনা হায়রবদু, নিংথৌগা নিংথৌ নত্তবগা মরূপ থক শান্নবা য়াদবনি (†) অদুনা দ্রুপদ! নংসু নিংথৌ ওইবা য়াননবা নংঙোন্দা লৈবাক থর পীগে হোৎনরিবনি ॥৬৯॥ পাঞ্চাল নিংথৌ! নংনা গঙ্গাগী মখা থংবা শরুক মথৈগী নিংথৌ ওইরবনিকো, অদুগা ঐনা গঙ্গাগী অম্বাংথংবা শরুক মথৈগী নিংথৌ ওইরবনি। হৌজিক্তি ঐগা মরূপ শান্নবা য়ারেদনকো ॥৭০॥ দ্রুপদনা হায়খি— পুকচেল চাউরবা! থুৎকন পাঙ্গানলবা, মহাত্মাসু ওইরবা ব্রাহ্মণ অমনা অসুম্না থৌজালবিহনা অরানবা কোকপীবা অসিদি থোইনবু ঙকফম থোক্তে। করে অদুদি লাইরবনা ব্রাহ্মণ নংনা ঐবু ঙসি পেলহল্লে, অদুনা ঙসিদগী

(*) টীকাঃ—মাহৈ অসিমক মমাংঙৈদা দ্রোণনা লাইরবনা শেল-থুম থর নিগে হায়দুনা মরূপ দ্রুপদগী মফমদা হাজরকপদা দ্রুপদনা দ্রোণদা মাসিমক হায়খিবনি। মাহৈনা মাহৈগী লম্বন খুদনি। থবাইদগী অহেনবা লম্বন মথুমনি।

(†) টীকাঃ— মাহৈ অসিমকসু মমাংঙৈদা দ্রুপদনা দ্রোণদা হায়খিবনি।

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

এবমুক্তঃ স তং দ্রোণো মোক্ষয়ামাস ভারত ! । সৎকৃত্য চৈনং প্রীতাত্মা রাজ্যার্দ্ধং প্রত্যপাদয়ৎ ॥৭২॥
মাকন্দীমথ গঙ্গায়াস্তীরে জনপদাযুতাম্ । সোঽধ্যাবসদ্দীনমনাঃ কাম্পিল্যঞ্চ পুরোত্তমম্ ॥ ৭৩ ॥
দক্ষিণাংশ্চাপি পাঞ্চালান্ যাবচ্চর্ম্মণ্বতী নদী । দ্রোণেন চৈবং দ্রুপদঃ পরিভূয়াথ পালিতঃ ॥৭৪॥
ক্ষাত্রেণ চ বলেনাস্য নাপশ্যৎ স পরাজয়ম্ । হীনং বিদিত্বা চাত্মানং ব্রাহ্মেণ স বলেন তু ॥ ৭৫ ॥
পুত্রজন্ম পরীপ্সন্ বৈ পৃথ্বীমন্বচচার হ । অহিচ্ছত্রঞ্চ বিষয়ং দ্রোণঃ সমভিপদ্যত ॥ ৭৬ ॥
এবং রাজন্নহিচ্ছত্রা পুরী জনপদাযুতা । যুধি নির্জ্জিত্য পার্থেন দ্রোণায় প্রতিপাদিতা ॥৭৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ববনি
সম্ভবে দ্রুপদশাসনং নাম ত্রয়স্ত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।।০।।

——:(০):——

পুম্সিচুপ্পা লেংত্রবা মরূপ ওইবগী মুংশিনবদো নংগী নফমদগী পামজৈ ।।৭১।। বৈশম্পায়ননা হায়খি— দ্রুপদনা অস্থম হায়রবদা দ্রোণাচার্য্যনা পেনখ্রদুনা দ্রুপদবু থাদোকখি, তবাম তরাম তৌদুনা লৈবাক তংখায় অমা হল্লিনবিখি ।।৭২।। অদুদগী হৌনা দ্রুপদ নিংথৌ অসি মথক্বাই মুংভায় মুংভাযতনা গঙ্গাগী মখা থংবা মী য়াম্না তারবা মাকন্দী নগরী অমসুং কাম্পীল্য কৌবা নগর অনিমক্তা তূনা লৈখি ॥৭৩॥ মতৌ অসুম্না দ্রোণাচার্য্যনা দ্রুপদবু মাযথিবা পীদুনা অমুক সন্ধি তৌনরবদা দ্রুপদনা চর্ম্মণ্বতী তুরেন ফাউবা শন্দোকখি,বা পাঞ্চাল দেশগী মখা থংবা শরুক্কী শাসন তৌদুনা লৈখি ।।৭৪।। দ্রুপদ নিংথৌনা ব্রাহ্মণগী শক্তিদগী হন্থদনা মখা পোন্দুনা য়াম্না তোম্না লৈরবনি হায়বসি খুন্দুনা ক্ষত্রিয়গী শক্তিনা দ্রোণাচার্যাবু মায়থিবা পীবা হায়বাসে ওইথোক্তবোরে খন্দুনা লৈখি ।।৭৫।। অকনবা মচা অমতং পোক্কে খন্দুনা মাদু থোক্কনবা যজ্ঞ তৌননবা যাজ্ঞিক ব্রাহ্মণ অমা পৃথিবীগী মফম পুম্নমক্তা থিবা হৌরকই। অদুগা অসোমদা দ্রোণাচার্য্যনা অহিচ্ছত্র কৌবা লৈবাক মপূম অদুমা ফংদুনা লৈখি ।।৭৬।। মহারাজ ! অর্জ্জুননা মতৌ অসুম্না য়েক্কববু লানফমদা মায়থিবা পীদুনা লন থুম প্রজানা থল্লবা অহিচ্ছত্রা কৌবী নগরীবু ফিগাও শানা হাপ্তুনা গুরু দ্রোণাচার্য্যগী চরণদা গুরু দক্ষিনা কৎখি ।।৭৭।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা দ্রুপদ শাসন কৌবা চামগা কুন্থ্রাহুমদোই শুবা অধ্যায় লোইরে ।।০।।

——(০)——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে— ধৃতরাষ্ট্রচিন্তায়াং

(মীরোল—নিংখৌরোল পোকপগী মতাংদা ধৃতরাষ্ট্রচিন্তাগী ৱারি)

(চামা কুল্লামরিশুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ সংবৎসরস্যান্তে যৌবরাজ্যায় পার্থিব!। স্থাপিতো ধৃতরাষ্ট্রেণ পাণ্ডুপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ ॥১॥
ধৃতিস্থৈর্য্যসহিষ্ণুত্বাদানৃশংস্যাত্তথার্জবাৎ। ভৃত্যানামনুকম্পাচ্চ তথৈব স্থিরসৌহৃদাৎ ॥২॥
ততোঽদীর্ঘেণ কালেন কুন্তীপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। পিতুরন্তর্দধে কীর্ত্তিং শীলবৃত্তসমাধিভিঃ ॥৩॥
অসিযুদ্ধে গদাযুদ্ধে রথযুদ্ধে চ পাণ্ডবঃ। সঙ্কর্ষণাদশিক্ষদ্বৈ শশ্বচ্ছিক্ষাং বৃকোদরঃ ॥৪॥
সমাপ্তশিক্ষো ভীমস্তু দ্যুমৎসেনসমো বলে। পরাক্রমেণ সম্পন্নো ভ্রাতৄণামচরদ্বশে ॥৫॥
প্রগাঢ়দৃঢ়মুষ্টিত্বে লাঘবে বেধনে তথা। ক্ষুরনারাচভল্লানাং বিপাঠানাঞ্চ তত্ত্ববিৎ ॥৬॥
ঋজুবক্রবিশালানাং প্রয়োক্তা ফাল্গুনোঽভবৎ। লাঘবে সৌষ্ঠবে চৈব নান্যঃ কশ্চন বিদ্যতে ॥৭॥
বীভৎসুসদৃশো লোক ইতি দ্রোণো ব্যবস্থিতঃ। ততোঽব্রবীদগুড়াকেশং দ্রোণঃ কৌরবসংসদি ॥৮॥
অগস্ত্যস্য ধনুর্ব্বেদে শিষ্যো মম গুরুঃ পুরা। অগ্নিবেশ ইতি খ্যাতস্তস্য শিষ্যোঽস্মি ভারত! ॥৯॥

বৈশম্প্যায়ননা হায়খি— মহারাজ! অদুগী তুংদা চহি অমা লৈরগা ধৃতরাষ্ট্রনা যুধিষ্ঠিরবু অভিষেক তৌদুনা যুবরাজ হাপখি ॥১॥ অদুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনা মশাগী তপথবা তহা তহাদবা, থাংহৈবা, ৱাঙাং খোন্দাদ থোৎপা তুররিংবা, থৌজাল হৈবা, তুংকোযন' সুংশিনবা, লমচৎ ব্যবহার ফজবা, তৌকবা থবক্তা পুক্নিং চংবা অসিনচিংবা গুণনা মতম থরগী মনুংদা মপা পাণ্ডুগী মিংচৎমকপু নক্মংখি হায়বদি কাওহনখি ॥২-৩॥ অদুগা ভীমনা থাংগী লান্দা, গদাগী লান্দা অদুগা রথগী লান্দসু বলরামগী মফমদগী মতম লৈবখিবক্তা তমদুনা লৈখি ॥৪॥ মপাঙ্গল কল্লবা ভীমনা পুম্নমক অসি তম্বা লোয়রদুনা দ্যুমৎসেন কৌবা নিংথৌগী মতৌগুম মতিক মগুণ মপাঙ্গল্লা তিনবা ওইদুনা মচিন মনাওশিংগী অমতা ওইনা লৈমিন্নখি ॥৫॥ খুদুম চেৎপা, মখুৎ খুবা অমদি পান্দমফম কাপ্পদা খুৎ চুম্বদা চংখোম্না হৈরবা অর্জ্জুননা থাং ময়া শাবা, যেৎতুম মচিল শাবনচিংবা তেন তা, ময়া শীংজং শাবা খুৎলাই অসিনচিংবগী কাপ্পা, লংবা, মওং তোংডাল তোংডাম্না শিজিন্নবদা অতৈদগী হেন্না হৈশিংবা মীশক ওইখি, মাদু উবদা মতম অসিদা জগৎকী মনুংদা খুৎলাই শিজিন্নবা খুৎ থুবদা অর্জুনগা মান্নবা হৈবা কনা অমত্তা লৈত্রে হায়বসি দ্রোণাচার্য্যনা মাগী মপুক্তা থাজবগা লোয়ননা থনখি। অদুগী তুংদা নোংমা দ্রোণাচার্য্যনা কৌরবগী সভা ময়াইদা অর্জ্জুনদা হেক্তুনা হায়খি ॥৬—৮॥ অর্জ্জুন! ঐগী গুরুদেব অগ্নিবেশ কৌবা অহনা মমাংতৈদা

তীর্থাত্তীর্থং গময়িতুমহমেতৎ সমুদ্যতঃ। তপসা যন্ময়া প্রাপ্তমমোঘমশনিপ্রভম ।।১০।।
অস্ত্রং ব্রহ্মশিরো নাম যদ্দহেৎ পৃথিবীমপি। দদতা গুরুণা চোক্তং ন মনুষ্যেম্বিদং ত্বয়া ।।১১।।
ভারদ্বাজ! বিমোক্তব্যমল্পবীর্যেষ্বপি প্রভো!। ত্বয়া প্রাপ্তমিদং বীর! দিব্যং নান্যোঽর্হতি স্বিদম্ ।।১২।।
সময়স্তু ত্বয়া রক্ষ্যো মুনিসৃষ্টো বিশাংপতে!। আচার্যদক্ষিণাং দেহি জ্ঞাতিগ্রামস্য পশ্যতঃ ।।১৩।।
দদানীতি প্রতিজ্ঞাতে ফাল্গুনেনাব্রবীদ্গুরুঃ। যুদ্ধেঽহং প্রতিযোদ্ধব্যো যুধ্যমানস্ত্বয়াঽনঘ! ।।১৪।।
তথেতি চ প্রতিজ্ঞায় দ্রোণায় কুরুপুঙ্গবঃ। উপসংগৃহ্য চরণৌ স প্রায়াদুত্তরাং দিশম্ ।।১৫।।
স্বভাবাদগমচ্ছব্দো মহীং সাগরমেখলাম্। অর্জ্জুনস্য সমো লোকে নাস্তি কশ্চিদ্ধনুর্দ্ধরঃ ।।১৬।।
গদাযুদ্ধেঽসিযুদ্ধে চ রথযুদ্ধে চ পাণ্ডবঃ। পারগশ্চ ধনুর্যুদ্ধে বভূবাথ ধনঞ্জয়ঃ ।।১৭।।
নীতিমান্ সকলাং নীতিং বিবুধাধিপতেস্তদা। অবাপ্য সহদেবোঽপি ভ্রাতৄণাং ববৃতে বশে ।।১৮।।
দ্রোণেনৈব বিনীতশ্চ ভ্রাতৄণাং নকুলঃ প্রিয়ঃ। চিত্রযোধী সমাখ্যাতো বভূবাতিরথোদিতঃ ।।১৯।।

ধনুর্বেবদদা অগস্ত্য মুনিগী শিষ্য ওইখি, ঐ অসি অগ্নিবেশ কৌবা মুনি অদুগী শিষ্যনিদো ॥৯॥ অদুনা খুৎলাই অসিবু গুরু পরম্পরা নাইনা হাযবদি গুরু অমনা মাগী শিষ্যদা তম্বিরগা, শিষ্য অদুনা অমুক গুরু ওইদুনা গুরু মমদগী গুরু অমদা খুৎ শিন্নখিনবা হায়না খন্দুনা নংণ্ডোন্দা শিন্নখিবনিদো, অদুনা বজ্রগা মান্নরবা, শিজিন্নবদা অরেম্বদা মাংত্রবা খুৎলাই অসে অকনবা তপস্যা তৌদুনা ঐনা মমাংণ্ডদা ফংখিবনি ।।১০। খুৎলাই অসিগী মমিং ব্রহ্মশির কৌইদো, মাসিনা পৃথিবী পুম্ববু চাকথেকপা ঙম্বনি। খুৎলাই অসি গুরুদেবনা ঐণ্ডোন্দা পীণ্ডদা অসুম হায়না তাকপিখি— "দ্রোণ! খুৎলাই অসে তাইবং মীগী মফমদা অদুগা অশোনবা জীবগী মফমদা থক শিজিন্নগনুকো"। তো অদুনা অর্জ্জুন! অসিগুম্বা মীরমলেন্দা ফংণ্ডমদ্রবা খুৎলাই অসে নংনা ফংলেদো, কনাসু মাসি ফংবদা মতিক চাদ্রবনি ।।১১—১২।। অর্জ্জুন! মুনি অদুনা তৌরম্বা নিযম অদো নংস্থ ণ্ডাক্কদৌবনিদো। অদুনা তিল্লিবা শাগে নাতে অসিগী মমাংমক্তদা মখোয়গী মমিৎনা উনা উনা গুরু দক্ষিনা পীরো কদায় ।।১৩।। "কচ্চগনি গুরুদেব" অসুম হায়না অর্জ্জুননা ৱাশক্লবদা, দ্রোণাচার্য্যনা অমুক হায়খি— ঐনা লান শোক্লবা ত্তারবদি নংসু ঐগা লান শোক্লগদৌবনি, মাসিনি ঐনা নংণ্ডোন্দগী পাম্বা গুরুদক্ষিনা হায়ববু ।।১৪।। "মাদুমক তৌজগনি গুরুদেব" অসি হায়দুনা কুরুবংশগী অখোইবা অর্জ্জুননা গুরু দ্রোণগী মফমদা ৱাশক্লগা গুরুগী চরণ শোক্তুনা খুরুম্নগা অৱাং পাংনা দিকবিজয় তৌবা চৎখি ॥১৫॥ "জগতা অর্জ্জুনগা মান্ননা লীকং পায়বা কনা অমত লৈতে" অসিগুম্বা ৱাহৈ অসি পাউরো ওইনা পৃথিবীগী মফম খুদিংদা শিন্থুংখ্রে ।।১৬।। অর্জ্জুননা গদাগী লান্দা, থাংগী লান্দা, রথগী লান্দা অমদি লীরুংগী লান্দা থোইদোক্না চংখোম্না হৈবা নিপা অমা ওইখ্রে ।।১৭।। সহদেবসু বৃহস্পতিগী অমদি শুক্রাচার্য্যগী নীতি শাস্ত্র পুম্নমক তমদুনা, থোইনা হেন্না নীতি খংবা ওইদুনা, মতম লৈবাখিবিক্তা ময়াম্বা-শিংগী য়াথংগী মখাপোন্দুনা লৈখি ॥১৮॥ ময়াম্বাশিংগী মুংশিনফম ওইরবা নকুলসু দ্রোণাচার্য্যগী মফমদগী শিক্ষা ফংদুনা "চিত্রযোধী" অসুম হায়না কাউদুনা অতিরথিশিংগী মনুংদা শীংখানবা য়াবা মীশক

ত্রিবর্ষকৃতযজ্ঞস্তু গন্ধর্ব্বাণামুপপ্লবে । অর্জ্জুনপ্রমুখৈঃ পার্থৈঃ সৌবীরঃ সমরে হতঃ ॥২০॥

ন শশাক বশে কর্ত্তুং যং পাণ্ডুরপি বীর্য্যবান্ । সোঽর্জ্জুনেন বশং নীতো রাজাসীদ্‌যবনাধিপঃ ॥২১॥

অতীববলসম্পন্নঃ সদা মানী কুরূন্ প্রতি । বিপুলো নাম সৌবীরঃ শাস্তঃ পার্থেন ধীমতা ॥২২॥

দত্তামিত্র ইতি খ্যাতং সংগ্রামে কৃতনিশ্চয়ম্ । সুমিত্রং নাম সৌবীরমর্জ্জুনোঽদময়চ্ছরৈঃ ॥২৩॥

ভীমসেনসহায়শ্চ রথানামযুতঞ্চ সঃ । অর্জ্জুনঃ সমরে প্রাচ্যান্ সর্ব্বানেকরথোঽজয়ৎ ॥২৪॥

তথৈবৈকরথো গত্বা দক্ষিণামজয়দ্দিশম্ শৈক্যং প্রাপয়ামাস কুরুরাষ্ট্রং ধনঞ্জয়ঃ ॥২৫॥

এবং সর্ব্বে মহাত্মানঃ পাণ্ডবা মনুজোত্তমাঃ । পররাষ্ট্রাণি নির্জ্জিত্য স্বরাষ্ট্রং ববৃধুঃ পুরা ॥২৬॥

ততো বলমতিখ্যাতং বিজ্ঞায় দৃঢ়ধন্বিনাম্ । দূষিতঃ সহসা ভাবো ধৃতরাষ্ট্রস্য পাণ্ডুষু ।

স চিন্তাপরমো রাজা ন নিদ্রামলভন্নিশি ॥২৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি সম্ভবে

ধৃতরাষ্ট্রচিন্তায়াং চতুস্ত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

— —০•(*):•——

অমা ওইখি ।।১৯।। মহাক্না গন্ধর্ব্বশিংগী "উপপ্লবা" কৌবা নগরদা চহি অহুম চুপ্পা যজ্ঞ তৌড়না লৈখি, সৌবীর কৌবা যবনশিংগী নিংথৌবু অর্জ্জুননাচিংবা পাণ্ডবশিংনা লানফমদা হাৎখি ॥২০॥ মতিক মগুণ চাউরবা পাণ্ডুমক্না মমাংদৌদা লান্দা মায়থিবা পিহনা মখা পোনহল্লম্বা ঙম্লমদবা যবনশিংগী নিংথৌ সৌবীরবু অর্জ্জুননা মহাকথক্তা মায়থিবা পিহনা মখা পোলহনখি ।।২১।। থোইদোক্না মপাঙ্গল কল্লবা অমদি মতম লৈবাখিবিক্তা কুরুবংশগী মফমদা য়েক্লবা ওইরক্লবা "বিপুল" কৌবা সৌবীর শাগেবু অর্জ্জুননা জয় তৌখি ।।২২।। মপান্দদি 'দত্তামিত্র' হায়না খংনবা, লানফমদা শিবা কিদনা চংলকপা 'সুমিত্র" কৌবা সৌবীর নিংথৌবু অর্জ্জুননা লীরুংগী লান্দা জয় তৌখি ।।২৩।। অর্জ্জুননা লানফমদা মথন্তনা রথ অমদা তোংখত্তুনা ভীমসেনতগা লোয়ননা নোংপোক মাযকৈগী নিংথৌ পুম্নমকপু অমস্তুং মখোয়গী রথী লিশিং তরাবু লান্দা জয় তৌখি ।।২৪।। মতৌ অদুগুম্না মথন্তনা রথ অমদা তোংতুনা ভারতকী মখা থংবা দেশ পুম্নমক জয় তৌখি অদুগা লমদম অদুগী লনথুম পুম্নমক কুরু লৈবাক তাম্না পুরকখি ।।২৫।। মতৌ অম্নমতৌনা পুকচেল চাউরবা, মীগী মসুংদা অথোইবা ওইরবা পাণ্ডবশিংনা য়েক্লবগী লৈবাক পুম্নমক ঙমদুনা মরৈবাকপু য়াম্না পাক চাউথোকহনখি ।।২৬।। অদুগী মতুংদা থোইদোক্না লীকং তেনগী লান্দা চংখোল্লবা পাণ্ডবশিংগী তৌবা ঙম্বগী মিংচৎনা মাযকৈ পুম্বা শিনখুংখে, হায়বসি খংদুনা মখোয়গী মফমদা ধৃতরাষ্ট্রগী থমোইদা কল্লকপা, সুংডায়তবগী অমকপা অমোংপা ভাব থরদং পোকপা হৌখি, মরম অদুনা ফত্তবা য়াৎল অসিনা সুমিৎ থুদিংগী অপ্পম অসুম হেক্সৎলক্কনা মহাক্কী চিন্তা তৌনবগী বিষয় অমা ওইরক্কনা অহিংদা থুযা তুশিৎনা তুম্বা চংখিদরে ।।২৭।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চ.মনা শ্রীব্যাসনা লেংব সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা ধৃতরাষ্ট্রচিন্তা কৌবা চামা কুম্থ্রামরি শুবা অধ্যায় লোযরে ।।০।।

——(*):——

শ্রীমহাভারতম্

সম্ভবে কণিকবাক্যং নামঃ

(মীরোল—নিংথৌবোল পোকপগী মতাংদা কণিকবাক্যগী ৱারী)

(চোমা কুহু।মঙা শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

শ্রুত্বা পাণ্ডুসুতান্ বীরান্ বলোৎদ্রিক্তান্ মহৌজসঃ। ধৃতরাষ্ট্রো মহীপালশ্চিন্তামগমদাতুরঃ ॥১॥

তত আহূয় মন্ত্রজ্ঞং রাজশাস্ত্রার্থবিত্তমম্। কণিকং মন্ত্রিণাং শ্রেষ্ঠং ধৃতরাষ্ট্রোঽব্রবীদ্বচঃ ॥২॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

উৎসক্তাঃ পাণ্ডবা নিত্যং তেভ্যোঽসূয়ে দ্বিজোত্তম!। তত্র মে নিশ্চিততমং সন্ধিবিগ্রহকারণম্।

কণিক! ত্বং সমাচক্ষ্ব করিষ্যে বচনং তব ॥৩॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

স প্রসন্নমনাস্তেন পরিপৃষ্টো দ্বিজোত্তমঃ। উবাচ বচনং তীক্ষ্ণং রাজশাস্ত্রার্থদর্শনম্ ॥৪॥

কণিক উবাচ।

শৃণু রাজন্নিদং তত্র প্রোচ্যমানং ময়াঽনঘ!। ন মেঽভ্যসূয়া কর্ত্তব্যা শ্রুত্বৈতৎ কুরুসত্তম! ॥৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— ধৃতরাষ্ট্রনা পাণ্ডুগী মচাশিংনা য়াম্না মপাঙ্গল কনখৎলকপা, ইচং থৌরকপা, অমদি ছিরম পুন্নমক্তা চাউখৎলকপা উবদা মপুক্সিংদা পে.থাকম খংদনা মতম চুপ্পা লাংতক্কন্থনা চিন্তা তৌদুনা লৈখি ॥১॥ অহগী তুংদা নোংমা. নীতি শাস্ত্র হৈরবা মন্ত্রনা খংলবা মন্ত্রি অথোইবা কনিকবু কৌশিন্দুনা ৱা অসি হায়খি ॥২॥ ব্রাহ্মণ অথোইবা কনিক! হৌজিক অসিদা পাণ্ডুগী মচাশিং অসি মহৈ-মশিং মপান্দা জগৎকী মকম পুন্নমক্তা ফাউখেদো, অদুনা ঐখোয়গী থমোইদা সুংভায়ত্তবা কল্লকপা হায়বা অদুমাদি পোক্রে, অদুগা মথোযগা লোয়ননা তিন্নখোৎনদুনা সন্ধি তৌদুনা লৈরিবা অসিগী মরমদসু বিগ্রহ হায়বদি য়েংশিনরকপগী মবম অমদি ইতত্তুনা থোক্কদৌরি হায়বসি ঐনা খল্লি। মরম অদুনা হায়রিবা বিষয় অসিদা করি তৌফম থোকপগে হায়বসি মন্ত্রিগী পাউত্তাক অমত্তংসু তানিংঙি, অসুম তৌ হায়বদু তৌজগে ॥৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি—ধৃতরাষ্ট্রনা অসুম হংলক্লবদা ব্রাহ্মণ অথোইবা কনিকনা পুক্সিং সুংভায়না নীতি শাস্ত্রগী মতুংইন্না রাজ নীতিগী কুপথ্রবা থৌথ্রবা মনুংগী ৱা অদু হায়খি ॥৪॥ কনিকনা হায়খি— মহারাজ! মাসিগী মরমদা ঐ থর হায়গে, মাহু তাবিয়ু! হে কুরু শাগৈগী অথোইবা! ঐনা হায়জরিবাসি তারগা ঐগী ইকমদা সুংভায়ত্তবসু তৌবিগনু ॥৫॥ নিংথৌনা মতম পুন্নমক্তা লাম্বিবু শেম শাদুনা থমগদৌবনি, নিংথৌনা মশাগী অহোবা থক উৎলোয়দবনি, য়েক্লবগী

নিত্যমুদ্যতদণ্ডঃ স্যান্নিত্যং বিবৃতপৌরুষঃ। অচ্ছিদ্রশ্ছিদ্রদর্শী স্যাৎ পরেষাং বিবরানুগঃ ॥৬॥
নিত্যমুদ্যতদণ্ডাদ্ধি ভৃশমুদ্বিজতে জনঃ। তস্মাৎ সর্ব্বাণি কার্য্যাণি দণ্ডেনৈব বিধারয়েৎ ॥৭॥
নাস্য চ্ছিদ্রং পরঃ পশ্যেচ্ছিদ্রেণ পরমন্বিয়াৎ। গূহেৎ কূর্ম্ম ইবাঙ্গানি রক্ষেদ্বিবরমাত্মনঃ ॥৮॥
নাসম্যক্কৃতকারী স্যাদুপক্রম্য কদাচন। কণ্টকো হ্যপি দুশ্ছিন্ন আস্রাবং জনয়েচ্চিরম্ ॥৯॥
বধমেব প্রশংসন্তি শত্রূণামপকারিণাম্। সুবিদীর্ণং সুবিক্রান্তং সুযুদ্ধং সুপলায়িতম্ ॥১০॥
আপদ্যাপদি কালে চ কুর্ব্বীত ন বিচারয়েৎ। নাবজ্ঞেয়ো রিপুস্তাত দুর্ব্বলোঽপি কথঞ্চন ॥১১॥
অল্পোঽপ্যগ্নির্বনং কৃৎস্নং দহত্যাশ্রয়সংশ্রয়াৎ। অন্ধঃ স্যাদন্ধবেলায়াং বাধির্য্যমপি চাশ্রয়েৎ ॥১২॥
কুর্য্যাত্তৃণময়ং চাপং শয়ীত মৃগশায়িকাম্। সান্ত্বাদিভিরুপায়ৈস্তু হন্যাচ্ছত্রুং বশে স্থিতম্ ॥১৩॥

মুন্না যেংদুনা লৈগদোবনি অদুগা অহোবা তাঞ্জা অদুদা মহাকপু লাকশিন্নবা হোৎনগদোবনি ॥৫॥ মতম লৈৎশিবিক্তা লাম্মিতা শেমশাদুনা লৈরিবা নিংথৌবু অতোপ অতোপ্পা নিংথৌশিংনা কিনৈ। মরম অদুনা নিংথৌ হায়বা অসিনা হকচাং অমদি থুৎলাইগী শক্তিনা থবক পুন্নমক পাংথোকদোবনি ॥৭॥ মশাগী অহোববু অতোপ্পদা খক উহল্লোয়দোবনি, অতোপ্পগী অহোবদি খুদক্তা মাদুবু তাঞ্জা অমনি হাযদুনা লাকশিনহৌগদোবনি, অদুগা থেঙ্গুগী মতৌগুম্না মশাগী হকচাং খোং-খুৎ হায়বদি নিংথৌগী রোমদা হায়রগা শগোল, শামু, রথনচিংবা অঙ্গ খিবিকপু কুপশিন্দুনা লোত্তুনা থমগদোবনি অদুগা মশাগী ঙাৎলিবা অহোবা শকক অদু মীবু থংহন্দনা থুপ্তুনা থমগদোবনি ॥৮॥ নিংথৌনা করিগুম্বা মতমদা করিগুম্বা থবক অমতং তৌবা হৌকরবদি মাদুবু মপূং ফানা তৌরমদনা মরক্তা খক লোয়দনা থাদোকলোযদবনি। করিনা হায়ববু হঙচাংদা যুশ্নবা তিংথং অদুগী শকক অমতং ককথত্তুনা হুন্দোকখ্রবদি শেমহৌরিবা শকক অদুনা মতম কুইনা লাইজোদুনা অদুম মরৈহৌই ॥৯॥ মাংননবা তৌবা য়েক্কববু য়াম্রিবা মখৈ থুনা য়াংনা মক্ক ফংনা ফুক্তোক হৌগদোবনি। য়েক্কবদুনা খোইদোক্লা মপাঙ্গন কনবা ওইরবসু মহাক্কী অৱাবা খুদোংথিবা তাঞ্জা ঙাইদুনা মতম অদুদা মাবু মাংহনহৌগদোবনি অমসুং লান্দা হৈশিংবা য়েক্কবা ওইরবসু মহাকপু করিগুম্বা উপায অমনা মরৈবাক্কগী লাপথোকহনবা হোৎনগদোবনি, হায়রিবা বিষয় অসিদা অতৈ অমা খক খনবিগনু। মহারাজ! <u>য়েক্কববু ওইরবদি মপাঙ্গন লোল্লি হাযদুনসু খক উশিন্তবা থৌওইদবা তৌরোইদবনি</u> ॥১০—১১ মরমদি মীকই হায়দুনসু মৈতবু ওইরবদি মৈরিক অদুমতনা অকংবা শীং অমতগা সঙ্গ তৌকদদা পাক চাউরবা বন মপূম অমা চাক্তুনা লোইনা উৎ ওই। অদুগা মিৎ তাংনা লৈগদোবা মতমদা মিৎ তাংদুনা, না পংথোক্তুনা লৈগদোবা মতমদা না পংথোক্তুনা লৈগদোবনি। হাযবদি য়েক্কবগী অৱাবা খুদোংথিবা তারবা কান্দা উনা-উনা তানা তানা উদবা তাদবা শাম্বনা লৈগদোবনি ॥১২॥ অকনবা য়েক্কবনা লান্দারক্কবদি নাপীগী মতৌগুম্না থুৎলাই থাগনি অদুগা শক্তিগী মতৌগুম মায়কৈ মরি ওন্দুনা লৈগদোবনি; অদুগী তুংদা সাম, দান (*) অনিমক্তা অকনবা য়েক্কব হবু ইথা পেংলহল্লগা খুদোং চাবা মতুং ইন্না য়েকনবাদুবু মাংনবা তৌগদোবনি ॥১৩॥

(*) টিপ্পনী:— সাম, দান, দণ্ড, ভেদ কৌবা রাজনীতি মখল মরি অসিগী মনুদা য়েক্কবা অদুনা অকনবা ওইরবদি চায়না হৌবা, মরূপ শামবা হৌবা অমদি শীক্কম থোকপা থৱ পিথোকথিবা হায়রিবা নীতি অনি অসিনা

দয়া ন তস্মিন্ কর্ত্তব্যা শরণাগত ইত্যুত। নিরুদ্বিগ্নো হি ভবতি ন হতাজ্জায়তে ভয়ম্ ॥১৪॥
হন্যাদমিত্রং দানেন তথা পূর্ব্বাপকারিণম্। হন্যাত্রীন্ পঞ্চ সপ্তেতি পরপক্ষস্য সর্বশঃ ॥১৫॥
মূলমেবাদিতশ্ছিন্দ্যাৎ পরপক্ষস্য নিত্যশঃ। ততঃ সহায়াংস্তৎপক্ষান্ সর্বাংশ্চ তদনন্তরম্ ॥১৬॥
ছিন্নমূলে হ্যধিষ্ঠানে সর্বে তজ্জীবিনো হতাঃ। কথং নু শাখাস্তিষ্ঠেয়ুশ্ছিন্নমূলে বনস্পতৌ ॥১৭
একাগ্রঃ স্যাদবিবৃতো নিত্যং বিবরদর্শকঃ। রাজন্! নিত্যং সপত্নেষু নিত্যোদ্বিগ্নঃ সমাচরেৎ॥১৮॥

অদুগা যেকনবাদুনা মপাঙ্গন শোনবা ওইদুনা চংজরক্লে হায়দুনা মহাক্কী মফমদা থৌজালবিরোইদবনি, মাবু খুদক্কা লোইথেক্কদৌবনি, মতম অদুদা যেকনবা অমা লৈরিকো হায়বাদুগী পুকনিংদা লাংতকনবা কোক্কদৌবনি। করিনা হায়ববু শিথ্রবা মীগী মথমদগী কিনিংঙায় লৈত্রেদো।১৪॥ হায়রিবা সাম অমদি দান হাথবা অনি অসিতনা খুৎলাই ওইদুনা হেন্ন কনবা যেকনববু মাইথিবা পিগদৌবনি অদুগা নেমথহনখিগদৌবনি। অতদগী মতিকচাবা উপায় থিদুনা যেকনবগী শক্তি অহুম, সিদ্ধাঙ্গ মঙা অদুগা রাজ্যাঙ্গ তরেৎ নক্কাত্তুনা অরেম্বদা তাহনগদৌবনি (*) ॥১৫॥ মতম লৈবাখিবিক্কা যারিবা মথৈ অহানবদা যেকনবা অদুগী খুব্রাইগী মরু হান্না ফুক্তোকনবা হোৎনগদৌবনি, অদুগা তুংদা মহাক্কী মীচং ওইরগদৌরিবাশিং অদুবু, অদুগী তুংদা মহাক্কী মীচং চংদুনা মচাক মরন চাত্তুনা লৈরবাশিং অদুবু অদুগা খুব্রাইগী তুংদা মহাকনা হায়বা ইনবা মনাই মশলশিং অদুবু মাংনবা তৌগদৌবনি ॥১৬॥ মরমদি যেকনবগী চংজকম মরু অদুবু হান্না কবথৎলবদি মাগী মচাক মরন চাদুনা হিংজরিবাশিং অদুদি মশানা অদুম মাংজবা শোয়দ্রবনি। উগী মরু ফুক্তোক্লবদি উ অদুগী মপান চাদুনা লৈরিবা মনা, মশা অদুনা লৈগদৌবাসি কদায়দনো? ॥১৭॥ নিংথৌ হ'য়বা অসিনা মানা তৌগদৌরিবদি য়'রিবা মথৈ

য়েক্লবা অদুগা অমত্তা ওইশিল্লরগা মথং মথং মহাকপু মখা পোলহলনবা নীতি অনি অসিবু সাম, দান হায়না কৌই। নীতি হায়বদি অমবু নত্রগা ময়াম্বু পুনিংবা মায়কৈদা পুবা য়ানবা মতুংদা শিন্নিব; অংবু নীতি কৌই। নী (পুবা) ধাতুদা ক্তিন্ প্রত্যয় (খুংলাই) তৌদুনা থোকপনি হায়বদি পুননবা খুংলাই হায়বনি।

(*) টীকাঃ— রাজনীতিগী শাস্ত্রদা অসুম হায়না ইরি— মরূপ শাম্নশিন্নবা অমদি মনাই মশলনা চিংবদা, পীক্কপিথক্কা নীতি অনি অসিনা খুংকন পাঙ্গনবা য়েক্লববু হাংকদৌবনি হায়বদি মহাক্কা থমলিবা শত্রুতাগী ভাব অদু হাংকদৌবনি হায়বনি। অদুগা হায়রিবা মথক্কী সাম, দান কৌবা নীতি অনি অসিনা মমাংদৈদা মাংননবা তৌথিবা অকনবা য়েক্লবা অংবু মাংননবা হোৎনগদৌবনি। অকনবা ওইরবসু অশোনবা ওইববসু য়েক্লবা অদুগী শক্তি অহুম হায়বদি প্রেক্কাশিং অমদি মাগী মীশিংগী মথক্কা মহাক্কী লৈরিবা মহাক্কা হায়বদা ইল্লিবা অসিনচিংবা তৌবা ঙম্বা (১), মহাক্কী মশাগী মথৌনানা তৌবা ঙম্বা (২), রাজনীতি থবা মন্ত্রিশিং ফাওবা মন্ত্রনা পীবা ঙম্বা (৩), অসিনি শক্তি অহুম হায়বনা। সিদ্ধাঙ্গ মঙা হায়বদি মন্ত্রনা পীবা মন্ত্রিশিংগী কাংলুপ (১), লৈবাক অদুগী মফম চানা লৈরিবা ভিবম (২), য়েক্লবনা চংবা ঙমদবা থুপকম (কিল্লা) (৩), লন-থুম (৪), নক্কৎপগী শক্তি হায়বদি অরানবা শীচনা দণ্ড পীবা (৫) অসিনি। রাজ্যাঙ্গ তরেৎ হায়বদি— লৈবাক অমা লৈরবদা মাদুগী মপু (১), মহাক্কী মরূপকুম লৈরিবা মা তাম্নকম মন্ত্রিশিং (২), থবাইগা চপ মান্নবা তিন্নবা অথুপ্পা মরূপ (৩), লনগৈ (৪), রাজনীতিগী চপ চাবা নিয়মগী মথাদা লৈব লৈবাক (৫), কিল্লানচিংবা (৬), লাম্নি তেঙ্গোন মপৈ (৭) মথোয় অসি রাজ অমাগী হকচাং কান্নাৎ তরেৎকুম্বনি।

অগ্ন্যাধানেন যজ্ঞেন কাষায়েণ জটাজিনৈঃ। লোকান্ বিশ্বাসয়িত্বৈব ততো লুম্পেদ্ যথা বৃকঃ ॥১৯॥
অর্থশৌচমিত্যাহুরর্থানামুপধারণে। আনম্য ফলিনীং শাখাং পক্বং পক্বং প্রশাতয়েৎ।
ফলার্থোঽয়ং সমারম্ভো লোকে পুংসাং বিপশ্চিতাম্ ॥২০॥
বহেদমিত্রং স্কন্ধেন যাবৎ কালস্য পর্য্যয়ঃ। ততঃ প্রত্যাগতে কালে ভিন্দ্যাদ্ ঘটমিবাশ্মনি ॥২১॥
অমিত্রো ন বিমোক্তব্যঃ কৃপণং বহ্বপি ব্রুবন। কৃপা ন তস্মিন্ কর্ত্তব্য হন্যাদেবাপকারিণম ॥২২॥
হন্যাদমিত্রং সান্ত্বেন তথা দানেন বা পুনঃ। তথৈব ভেদদণ্ডাভ্যাং সর্ব্বোপায়ৈঃ প্রশাতয়েৎ ॥২৩॥

ফোংদোক্তনা য়েক্লববু ভগ্নবা পুকনিং অনি লোংদনা হোৎনতুনা লৈগদৌবনি, য়েকনবা অতগী অহোবা মতম লৈবাখিবিক্তা থীগদৌবনি অতুগা মতম লৈবাখিবিক্তা য়েকনবা অতুনা করি তৌরক্তবা হায়বা অসিগী লাংতকননা ইচিংদা চিংনদুনা তুমিন তুমিন্না থবক অদু পাযখৎকদৌবনি ॥১৮॥ অগ্নিকুণ্ডদা মৈ থাগৎপা, যজ্ঞ লিংখৎপা, গেরুয়া শেৎপা, জটা পুবা অমদি কৈ-শজি ঃউন্নাচিংবা শেৎপা অসিনচিংবনা মী পুম্নমক্কী থমোইদা থাজহনবা সুংশিবা পোকহন্দুনা কৈশালগী মতৌগুম্না হায়বাদ ইতে-তেনা লৈশিন্নরগা প.ক চোংশিন্দুনা লাকপা অদুগী মতৌগুম্না যেকনববু মাংনবা তৌগদৌবনি ॥১৯॥

নীতি খুংবাশিংনা হায়নরিবনি, থবক পাংথোক্লবগী মবিদা অচুম্বা নীতি চৎপদনা খৱাইদগী অ হনবা খু লাইনি অতুগা মী পুম্নমকপু চিংশিন্নবা পাম্বেনি, মী ওইবনা মহৈ য়ানবা উ মশা অতুদা যাম্ন্তরগা যানলিবা নগৈশিং অহগী মসুংদসু অমূন অমূনবা খল্ল খল্লতুনা হেক্লে। করিনা হায়ববু জগৎ অসিদা অশিংবা মীনা তৌবা থবক হাযবা অসিতবু অমূনবা অথুম্বা মহৈ ফংননবগী দমক্তা ওই।২০॥ খুদোং চাবা মতম্না শল্লেক্তি, ফাউবা হাযবদি লাক্তি, ফাউবা যেকনববু লেংবান্দা ঈশিংনা থল্লবা চফু পুবগুম যেকনববু পুতুনা লৈখিগদৌবনি। (*) অতুগী তুংদা মতম অহনা লাল্লবদা চফু পুবাদৌনা কোকথোং নাদুনা পুনক্লিবা যেকনবাশিং অতুবু সুংপাক মথক্তা চযু অতু থাদবগুম য়েকনবশিং অতুবু হেক থাদবদা মিকুপ্তা পুমতোয় তোযনা মরাইনা বায়জে ॥২১॥ ফন যাম্না কপ লাউহনসু সুংশিতুনা যেকনববু খক থাদোকলোইদৌবনি, মখোযদা সুংশিহৈবা ইচুম চুমদবনি, করিগুম্বা উপাযনা মখোয়বু লোইথোকনবা হোৎনগদৌবনি ॥২২॥ সাম, দান, দণ্ড অমদি ভেদ কৌবা নীতিশিং অসিনা মরায় হাইগৎলকইবা য়েকনবাশিং অতুবু নক্ষাৎকদবনি। মরি অসিগী মসুংদা অমনা নত্রগা পুল্লপ্না মরূ ফংনা

(*) **টীকাঃ**— অসিগী ভাবতি থাংথফম মতিক চাবা মফম মতম লাক্তিফাউবা অরুম্ববু লুমসু লুম্না অসুম পুব তাবা অতুগুম্না য়েক্লববু মতম চাবা লাক্তিমথৈ থাংতুনা লৈগদৌবনি। মতম অতুনবু লাক্লবদি ফন য়াম্না কনবা য়েক্লবাশিংবুসু খুবাক খুত্নমনা লাউবদদা তাম্থোকপা য়াবনি। মতমতনা পুম্নমকপু ভন্মী মরম অসিনা লৈবাক্কী রাজনীতিগী অবস্থানা কায়রক্লবা মতমদা মতম্না মন্ত্রিশিংদা, প্রজাশিংদা নত্রগা অতোপ্পা দেশগী মীশিংদা শক্তি পী। মাসিবু হৌজিক্কি মতমদা 'আন্দোলন' হায়রগা থংনৈ। ইসলাম্ ধর্ম্ম চৎপা মীশিংগী বাহৈদা 'ইনক্লিলাব' হায়রগা থংনৈ। হিন্দুনা লৈবা অমদি জয় ওইহনা লৈবগী সুংঙায়বা ফোংদোকপা বাহৈবু জিন্দাবাদ কৌই, মুসলমানশিংনা ভারততা পাল্লিটৈঙ মতমদা রাজনৈতিক আন্দোলন হেক ওইরকপা মতমদা প্রজাশিংনা "ইনক্লিলাব জিন্দাবাদ" হায়বা খোল্লাউ অসিনা মাযকৈ মরি শিন্নুনা লাউনরকপা বাহৈনি।

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

কথং সান্ত্বেন দানেন ভেদৈর্দ্দণ্ডেন বা পুনঃ। অমিত্রঃ শক্যতে হন্তুং তন্মে ব্রূহি যথাতথম্ ॥২৪॥

কণিক উবাচ।

শৃণু রাজন্! যথা বৃত্তং বনে নিবসতঃ পুরা জম্বুকস্য মহারাজ! নীতিশাস্ত্রার্থদর্শিনঃ ॥২৫॥

অথ কশ্চিৎ কৃতপ্রজ্ঞঃ শৃগালঃ স্বার্থপণ্ডিতঃ। সখিভির্ন্যবসৎ সার্দ্ধং ব্যাঘ্রাখুবৃকবভ্রুভিঃ ॥২৬॥

তেঽপশ্যন্ বিপিনে তস্মিন্ বলিনং মৃগযূথপম্। অশক্তা গ্রহণে তস্য ততো মন্ত্রমমন্ত্রয়ন্ ॥২৭॥

জম্বুক উবাচ।

অসকৃদ্যতিতো হ্যেষ হন্তুং ব্যাঘ্র! বনে ত্বয়া। যুবা চাতিজবসম্পন্নো বুদ্ধিশালী ন শক্যতে ॥২৮॥

মূষিকোঽস্য শয়ানস্য চরণৌ ভক্ষয়ত্বয়ম্। অথৈনং ভক্ষিতৈঃ পাদৈর্ব্যাঘ্রো গৃহ্লাতু বৈ ততঃ ॥২৯॥

ততো বৈ ভক্ষয়িষ্যামঃ সর্বে মুদিতমানসাঃ। জম্বুকস্য তু তদ্বাক্যং তথা চক্রুঃ সমাহিতাঃ ॥৩০॥

মূষিকাভক্ষিতৈঃ পাদৈর্মৃগং ব্যাঘ্রোঽবধীত্তদা। দৃষ্ট্বৈবাচেষ্টমানন্তু ভূমৌ মৃগকলেবরম্ ॥৩১॥

স্নাত্বাগচ্ছত ভদ্রং বো রক্ষামীত্যাহ জম্বুকঃ। শৃগালবচনাত্তেঽপি গতাঃ সর্বে নদীং ততঃ ॥৩২॥

স চিন্তাপরমো ভূত্বা তস্থৌ তত্রৈব জম্বুকঃ। তাংশ্চিন্তয়ানো মনসা মাংসবৃত্তিঃ পুনঃ পুনঃ ॥৩৩॥

ফুক্তোক্কদৌবনি ॥২৩॥ ধৃতরাষ্ট্রনা কনিকদা হাযখি— কনিক! সাম, দান, দণ্ড ভেদ হাযবিবা মরি অসিনা কয়ম তৌনা যেক্লববু ভ্রমগদৌরিবা মাদু মথংশিংনা হায়য় ॥২৪॥ কনিকনা হাযখি— মহারাজ! মমাংভৈদা বনদা লৈরিভৈ মতমদা নীতি শাস্ত্র হৈববা লমহুই অমাগী মরমদা থোকখিবা থৌদোক অদো তাবিযু লীজগে ॥২৫॥ মমাংভৈদা বন অমদা কৈ অমনে, উচি অমনে, কৈশাল অমনে, খৈরোই অমনে মরূপ মরি অসিগা লোয়ননা শীংলবা অমদি মশাগী ওইজবা তানবদা হৈরবা লমহুই অমা লৈরম্মি ॥২৬॥ নোংমা মথোয়না বনগী মমুংদা মশা মউ ফজরবা শজি অমা উরম্মি, অদুবু মাবু ফাবদদি মঙমদ্রে, অদুগী মতুংদা মাবু ফাননবা মথোয় মযাম্না মন্ত্রনা তৌনখি ॥২৭॥ লমহুইনা হায়— কৈ! নংনা বন অসিদা লৈরিবা শজি অসিবু হাৎকে হাযদুনা কযারক হন্না হন্না হোৎনরেদো, অদুবু শজি অসিনদি পাখং ফারকপগা লমজেল য়াম্না যাংবগা অদুগা থোইদোকনা শিংবগা ফাবা হাৎপা ঙমদ্রে ॥২৮॥ মরম অদুনা মহাকনা তুমলিভৈ মতমদা উচিনা মগী মথোং মরি অদু চীকথৎসনু, মথোং মরি অদুনা হোগাই থিঙ্গাযরবদি মা অমুক চেনবা ঙম্ররোই, মতম অদুদা নংনা (কৈনা) মাবু হেক ফাও ॥২৯। অদুগী তুংদা ঐখোয ময়াম্না মুংভাইনা মাবু চাখোকসি। অদুগী মতুংদা শা পুম্নমক অদুনা লমহুইনা তাক্লিবা মন্ত্রনা অদুগী মতুং ইন্না পুক্লিংচংনা থবক অদু চেকশিন্না তৌখি ॥৩০॥ উচি অদুনা শজি অদুগী মখোং মরি অদু থর থর শুম চীকথৎখিবা অদুদা চেনবা ঙমদদুনা কৈনা মাবু লাইনা ফাবা হাৎপা ঙমখি। শজিগী মশা অদুনা লেংদনা তাদুনা লৈবদু উবদা লমহুইনা হায়রকই— ঐ শজি অসিগী মশা মসে শংলমগে, নখোয় পুম্নমক ইকজকরো, তশেং তশেং চাসি, ময়ামগী মঙ্গল ওইসনু। মতম অদুদা মথোয়সু লমহুই অদুনা হায়বা মতুং ইন্না তুরেন্দা ইকজগে হায়দুনা চৎখি ॥৩১—৩২॥ অসোমদা শজি চাগনবা লমহুই অদুনা মপুক্লিংদা হন্না হন্না কৈনচিংবা শাশিং অদুগী মরমদা য়াজা

অথাজগাম পূর্ব্বন্তু স্নাত্বা ব্যাঘ্রো মহাবলঃ। দদর্শ জম্বুকঞ্চৈব চিন্তাকুলিতমানসম্ ॥ ৩৪ ॥

ব্যাঘ্র উবাচ।

কিং শোচসি মহাপ্রাজ্ঞ! ত্বং নো বুদ্ধিমতাং বরঃ অশিত্বা পিশিতান্যন্ত বিহরিষ্যামহে বয়ম্ ॥৩৫॥

জম্বুক উবাচ।

শৃণু মে ত্বং মহাবাহো! যদ্বাক্যং মূষিকোঽব্রবীৎ। ধিগ্‌বলং মৃগরাজস্য ময়াহদ্যায়ং মৃগো হতঃ ॥৩৬॥

মদ্বাহুবলমাশ্রিত্য তৃপ্তিমদ্য গমিষ্যতি। গর্জমানস্য তস্যৈবমতো ভক্ষ্যং ন রোচয়ে ॥ ৩৭ ॥

ব্যাঘ্র উবাচ।

ব্রবীতি যদি স হ্যেবং কালে হ্যস্মি প্রবোধিতঃ। স্ববাহুবলমাশ্রিত্য হনিষ্যেঽহং বনেচরান্ ॥৩৮॥

খাদিষ্যে তত্র মাংসানি ইত্যুক্ত্বা প্রস্থিতো বনম্। এতস্মিন্নেব কালে তু মূষিকোঽপ্যাজগাম হ ॥৩৯॥

তমাগতমভিপ্রেক্ষ্য শৃগালোঽপ্যব্রবীদ্বচঃ। শৃণু মূষিক! ভদ্রং তে নকুলো যদিহাব্রবীৎ ॥৪০॥

মৃগমাংসং ন খাদেয়ং গরমেতন্ন রোচতে। মূষিকং ভক্ষয়িষ্যামি তদ্ভবাননুমন্যতাম ॥ ৪১ ॥

তচ্ছ্রুত্বা মূষিকো বাক্যং সন্ত্রস্ত প্রগতো বিলম্। ততঃ স্নাত্বা স বৈ তত্র আজগাম বৃকো নৃপ! ॥৪২॥

তমাগতমিদং বাক্যম ব্রবীজ্জম্বুকস্তদা। মৃগরাজো হি সংক্রুদ্ধো ন তে সাধু ভবিষ্যতি ।৪৩॥

চিন্তা তৌগনা, পুবা-থাংবা ভমদবা অন্নাবা ব্রাখন্দা লুপ্তুনা লৈবগী মওং অদু উৎতুনা মফম অদুদা তুমিন্ন ফমহুনা লৈখি ॥৩৩॥ অহগী মতুংদা মপাঙ্গন কল্লবা কৈ অহুনা ইকুজথোক্তুনা খব্রাইগী মাং থানা থুংলবে, লমহুই অদুনা যান্না চিন্তা তৌদুনা লৈরম্বা অদু উই ॥৩৪॥ কৈ অদুনা হায়বকই—হে অশিংবা! করিগী অদুক ব্রাবিবনো? নংদি ঐখোযগী মরক্তা খব্রাইদগী অশিংবনি, লাও, ঙসিদি ঐখোয নুংঙাযনা শজিগী মশা অসি চারগা নুংঙাযনা বনদা কোয়কসি ॥৩৫॥ লমহুইনা হায়—পাঙ্গল্লবা! উচিনা ঐঙোন্দা হাযবম্বা ব্রা অদু অমুক্তা তাবিযু— "শজি অসি হাৎপদি ঐনি, অদুনা ঐখোয়গী নিংথৌ ওইদুনা লৈরিবা কৈগী পাঙ্গন অসিদি তোনথেদ্রা!" অসিনি সে মানা হাযরম্বদো ॥৩৬॥ অসিমন্থ মানা হাযরমই— "ঐগী পাম্বোমগী পাঙ্গন্দা তাংজদুনা মহাক্না ঙসি শজিগী মশা চাদুনা পেনগদৌরিবনি, অদুনা মাদি নাপল তৌদুনা ঙংদুনা লৈবশারি, অদুনা ঐদি শা ককাসি চাব যাওজররোই" অসি ওইরে ॥৩৭॥ কৈনা হায়— "উচি অদুনা হাযরম্বা থোক্লবদি নংনা অহানবদা ঐঙোন্দা মতমচানা খংহনবসি য়াম্না ফরে, ঙসিদগী হৌনা ঐ কনাগী মতেং লৌদনা ইশাগী পাম্বোমগী পাঙ্গম্না বনগী শা হাৎলুগে অদুগা মহাক্কী মশা অদু চাগে"। অসি হায়রম্লগা কৈ অদু বনগী মঙ্গুংদা চৎখ্রে, তাঙ্গা অদুদা উচি অসি ইকজরগা থুংঙরে ॥৩৮—৩৯॥ মহাক্না লাকপদু উবদা লমহুই অদুনা উচি অদুদা হায়রকই— "উচি! মঙ্গল ওইয়ু, খৈরোয়না ঐঙোন্দা হায়রম্বা ব্রাদো অদুক তাথো" ॥৪০॥ "ঐদি শজি অসিগী মশা চাবা ঙম্নবোই, করিনা হায়নবু কৈগী মচিম্না শোক্লমলে, মনম নম্লমলে, কৈনবু নম্লবদি হুগা অক্মা ওইরবনি। অদুনা ঙসিদি ঐ উচি অসি চারগা মতোক্লগে, ঐনা হাযরিবসি নং য়াউ" অসিনিসে খৈরোয়না হায়রম্বদো ॥৪১॥ ব্রাসি তাবদা কিমনখ্রদুনা লৈথুন্দা চংখ্রে। মহারাজ! অসিগী মতুংদা কৈশাল অদুস্থু ইকজরগা থুংলরে ॥৪২॥ মহাক্না লাকপদু উবদা মাঙোন্দা হায়রকই— "তাউ কৈশাল! শা পুম্নমক্কী নিংথৌ কৈনা নংগী নফমদা যাম্না শাউরবনি, মাসি নংগী

সকলত্রস্থিহায়াতি কুরুষ যদনন্তরম্। এবং সঙ্কোদিতস্তেন জম্বুকেন তদা বৃকঃ ॥৪৪॥
ততোঽবলুম্পনং কৃত্বা প্রয়াতঃ পিশিতাশনঃ। এতস্মিন্নেব কালে তু নকুলোঽপ্যাজগাম হ ॥৪৫॥
তমুবাচ মহারাজ! নকুলং জম্বুকো বনে। স্ববাহুবলমাশ্রিত্য নির্জিতাস্তেঽন্যতো গতাঃ ॥৪৬॥
মম দত্ত্বা নিযুদ্ধং ত্বং ভুঙ্ক্ষ্ব মাংসং যথেপ্সিতম্।

নকুল উবাচ।

মৃগরাজো বৃকশ্চৈব বুদ্ধিমানপি মূষিকঃ ॥৪৭॥
নির্জিতা যত্ত্বয়া বীরাস্তস্মাদ্বীরতরো ভবান্। ন ত্বয়াঽপ্যুৎসহে যোদ্ধুমিত্যুক্ত্বাঽসাবপাগমৎ ॥৪৮॥

কণিক উবাচ।

এবং তেষু প্রয়াতেষু জম্বুকো হৃষ্টমানসঃ। খাদতি স্ম তদা মাংসমেকঃ সন্মন্ত্রনিশ্চয়াৎ ॥৪৯॥
এবং সমাচরন্নিত্যং সুখমেধেত ভূপতিঃ। ভয়েন ভেদয়েদ্ভীরুং শূরমঞ্জলিকর্ম্মণা ॥৫০॥
লুব্ধমর্থপ্রদানেন সমঃ ন্যূনং তথৌজসা। এবং তে কথিতং রাজন্! শৃণু চাপ্যপরং তথা ॥৫১॥
পুত্রঃ সখা বা ভ্রাতা বা পিতা বা যদি বা গুরুঃ। রিপুস্থানেষু বর্ত্তন্তো হন্তব্যা ভূতিমিচ্ছতা ॥৫২॥
শপথেনাপ্যরিং হন্যাদর্থদানেন বা পুনঃ। বিষেণ মায়য়া বাপি নোপেক্ষেত কথঞ্চন ॥৫৩॥

অদবা ওইবোহ ॥৭৩॥ হৌজিক মহাক অদু মহাক্কী মুপীগা লোযননা লাক্লরনি। অদুনা ঐনা হায়রিবসি তারগা নংনা তোগদোবা অদু তৌরো” লমহুইনা চেনহৌরো অমুম হাযনা ইঙ্গিত তৌববা কান্দা শাহিং চাগল্লবা কৈশাল অহ কিমনখ্রহনা লাউন লাউনা কান্দুনা চোংল চোংলদুনা মফম অহদগী চেন্থোকখ্রে। মতম অদুদা খৈরোয অহস্ন থুংলরে ॥৪৪—৪৫॥

মহারাজ! মতম অদুদা লমহুই অদুনা খৈরোয়দা হায়রকই— “তাউ খৈরোয়! ঐনা ইশা ইগন্তগী পাম্বৈনগী পাঙ্গল্লা কৈনাচিংবা মযাম অদো লোইনা তাম্থোকখ্রবনি, অদুনা মখোয় অতোপ অতোপ্পা মফমদা চৎনখ্রে ॥৪৬॥ অহনা নংস্ন ঐগা লাল শোক্লহনা ঐবু ভমদুনা ননিংতম্না শজিগী মশা অসি চাহৌ’। মতম অদুদা খৈরোয অদুনা হায়রকই— “শাগী নিংথৌ কৈ, কৈশাল, অদুগা শিংলবা উচি, অমুক য়াম্বা শিংলবা কল্লবাশিং অসিবু নংনা জয় তৌরবদি নংদি ওম্থোক্লা কনখ্রবা মীশক অমা ওইবে, অহনা ঐস্ন নংগা লাল শোক্লজবা ভমজরোই” অসি হায়দুনা খৈরোয় অদুস্ন চৎখ্রে ॥৪৭—৪৮॥

কনিকনা হাযখি— মতৌ অদুমনা মখোয় পুম্নমক চৎখ্রবা তুংদা শ্যায় প্রমাণ চাবা যুক্তি পথোক্তুনা বুল্লবা নীতি অসি শেমহনা লমহুইনা মুংঙায়না মনিং তম্না শজিগী মশা অদু চাখি ॥৪৯॥ নিংথাস্ন অসিগুম্ন। অশিংবা নীতি শিজিন্নরগা ইরাই লায়না হিরম পুমনমক্তা চাউথৎপা ভমগনি। অকিবা উত্তুনা কিগনববু তাম্থোকনি, অদুগা থুংলোম্নহনা অকনববু, শেঙ্গুম পিঙ্গহনা অপামবা মিৎৌগনববু অহগা হকচাংগী পাঙ্গম্না অশোনববু ভমনবা হোৎনগদোবনি। মহারাজ! মহারাজগী মফমদা লমহুইগী ৱারি অসি লীজরবনি, অদুগা অমুকস্ন থর তাবিথো ॥৫০—৫১॥ মচান, মরূপ, মচিন মনাওনা, মপান নত্রগা গুরুমক য়েক্লবা ওইদুনা মচোং থোরক্লবদি চাউথৎপা পাম্বা মীন মখোয়বু লোইথোকদোবনি ॥৫২॥ ৱাশকপা, শেল পীজবা, হূ পীজবা নত্রগা করিগুম্বা অথুম্না উপায় অমনা

গুরোরপ্যবলিপ্তস্য কার্য্যাকার্য্যমজানতঃ । উৎপথপ্রতিপন্নস্য ন্যায্যং ভবতি শাসনম্ ॥৫৪॥
ক্রুদ্ধোঽপ্যক্রুদ্ধরূপঃ স্যাৎ স্মিতপূর্ব্বাভিভাষিতা । ন চাপ্যন্যমবজ্ঞাংসেৎ কদাচিৎ কোপসংযুতঃ ॥ ৫৫ ॥
প্রহরিষ্যন্ প্রিয়ং ব্রূয়াৎ প্রহরন্নপি ভারত ! । প্রহৃত্য চ কৃপায়ীত শোচেত চ রুদেত চ ॥৫৬॥
আশ্বাসয়েচ্চাপি পরং সান্ত্বদানার্য্যবৃত্তিভিঃ । অথ তং প্রহরেৎ কালে যদা বিচলতে পথি ।৫৭॥
অপি ঘোরাপরাধস্য ধর্ম্মমাশ্রিত্য তিষ্ঠতঃ । স হি প্রচ্ছাদ্যতে দোষ শৈলো মেঘৈরিবাসিতৈঃ ॥৫৮॥
যঃ স্যাদনুপ্রাপ্তবধস্তস্যাগারং প্রদীপয়েৎ । অধমান্ নাস্তিকাংশ্চৌরান্ বিষয়ে স্বে ন বাসয়েৎ ।৫৯॥
প্রত্যুত্থানাসনাদ্যেন সম্প্রদানেন কেনচিৎ । প্রতিবিশ্রব্ধঘাতী স্যাত্তীক্ষ্ণদংষ্ট্রো নিমগ্নকঃ ॥৬০॥
অশঙ্কিতেভ্যঃ শঙ্কেত শঙ্কিতেভ্যশ্চ সর্ব্বশঃ । অশঙ্কাদ্ভয়মুৎপন্নমপি মূলং নিকৃন্ততি ॥ ৬১ ॥
ন বিশ্বসেদবিশ্বস্তে বিশ্বস্তে নাতিবিশ্বসেৎ । বিশ্বাসাদ্ভয়মুৎপন্নং মূলান্যপি নিকৃন্ততি ॥ ৬২ ॥

য়েক্লববু মাংননবা হোৎনগদৌবনি , অহগা করিগুম্বা মরমদা যেক্লববু থৌওইদনা লৈহনা থম্বা হৌনদে ॥৫৩॥ গুরুমকস্সু অরেম্বদা নাপল য়ামনা তৌরক্লবদি, নত্রগা তৌবা হৌনবা হৌনদবগী বিচার থাদোরক্লবদি নত্রগা অরানবা লম্বীদা চৎলক্লবদি মহাকপুস্সু নিংথৌ অমনা শাসন তৌফম থোকই ॥৫৪॥ থমোইদা যামন অশাওবা পোকলবসু মপান্দা মাহু থক ফোংদোকপা হৌনদে, মোমেন নোকতুনা ঙাংগদৌবনি, শাওই হায়হনসু করিগুম্বা মতমদা যেকনবা মীশক অদুগী মীযাম মাংদা ইকাযবা ফংবা মাগী লেমজবা য়াৎপা য়াহৈ শিজিন্নদুনা থক চৈবোইদবনি ॥৫৫॥ ভুংদা ফুগদৌবনি, যুবা মতমদসু অথুম্বা য়া অহম্মক ঙাংগনি, যুরবা ভুংদসু থৌজাল অদুম্মক উৎকনি, মাবু ফুথিবগী অৱাব ফোংদোংক্তুনা কপকদৌবনি ॥৫৬॥ সাম, দান অমসুং অফবা ব্যবহারনা য়েকনববু থাজহনগদৌবনি , অহগী ভুংদা মহাক্লা যিদম তাউনা অমদি কনবিনবা লৈতনা চৎলিঙৈ মতমদা মাবু ফুগদৌবনি ॥৫৭॥ য়েকনবা অহনা অকনবা মরান তৌরমলবসু ধর্ম্মগী লম্বীদা চংদুনা আশ্রয় লৌখ্রবদি অমুবা নোংনা চীংবু কুপশিনখিবগুম ধর্ম্মনা মাগী দোষবু কুপশিনথ্রবনি ॥৫৮॥ থুদক্তা তাপ্তা ফংলবা মতমদা লোহ থোক্কদৌবনি , যেকনবা অহনা ধর্ম্ম থংবা মী ওইরবদি মাবু হানো ময়ুম মৈ থাদোক্কদৌবনি , নাস্তিক অমদি হুরানবা ওইরবদি নরৈবাক্তা লৈহল্লোইদবনি ॥৫৯॥

য়েক্লবা লাকপদা হেক হৌগৎপা, যিদা থাবা, তরাম তরাম তৌবা য়াহৈ অমদি ফজরবা অথেন পো না ইহান হানবদা যেক্লবগী থমোইদা থাজবা সুংশিবা পোকহনগদৌবনি , ভুংদা হেরব কান্দা ঈশিং মন্নুংদা লুপ্পুনা লৈবা কুম্ভিরগী মতৌগুম মহাকপু লাক্কদৌবনি হায়বদি হাৎকদৌবনি ॥৬০॥ মহারাজগী মথক্তা চিংনদবা মীশিং অহ ফাউবা মহারাজনা চিংনফম থোকই, অদুগা মহারাজবু চিংনরিবা অমদি থাজত্রিলশিং অদুগী মথক্তদি মহারাজনা হিরম পুন্নমক্তা মতম লৈবা খিনিক্তা চিংনফম থোকই। মরমদি চিংনত্রিবা মীশক অদুগী মফমদগী অকিবা খুদোংথিবাযাবগী মরম অমা লাকপা ঊরবদি লাকইবা মরম অতুনা মহারাজগী মরু ফাউবা ফুকতোক্তুনা মাংহল্লগনি ॥৬১॥ থাজগন্দবা অমদি থাজকম থোক্তবা মীগী মফমদা ইথা থাজফম থোক্তে, থাজব য়াব মীগী মফমদসু কা হেন্না থাজরোইদবনি । করিনা হায়ববু থাজদবদগী পোক্লকপা অকিবা অদুদগী থাজকবদগী পোক্লকপা অকিবা খুদোংথিবা

চারঃ সুবিহিতং কার্য্য আত্মনশ্চ পরস্য চ। পাষণ্ডাংস্তাপসাদীংশ্চ পররাষ্ট্রেষু যোজয়েৎ ॥৬৩॥
উদ্যানেষু বিহারেষু দেবতায়তনেষু চ। পানাগারেষু রথ্যাসু সর্ব্বতীর্থেষু চাপ্যথ ॥ ৬৪ ॥
চত্বরেষু চ কূপেষু পর্ব্বতেষু বনেষু চ। সমবায়েষু সর্ব্বেষু সরিৎসু চ বিচারয়েৎ ॥৬৫॥
বাচা ভৃশং বিনীতঃ স্যাদ্ হৃদয়েন তথা ক্ষুরঃ। স্মিতপূর্ব্বাভিভাষী স্যাৎ সৃষ্টো রৌদ্রায় কর্ম্মণে ॥৬৬॥
অঞ্জলিঃ শপথঃ সান্ত্বং শিরসা পাদবন্দনম্। আশাকরণমিত্যেবং কর্ত্তব্যং ভূতিমিচ্ছতা ॥৬৭॥
সুপুষ্পিতঃ স্যাদফলঃ ফলবান্ স্যাদ্ দুরারুহঃ। আমঃ স্যাৎ পক্বসঙ্কাশো ন চ জীর্য্যেত কর্হিচিৎ ॥৬৮॥
ত্রিবর্গে ত্রিবিধা পীড়া হ্যনুবন্ধাস্তথৈব চ। অনুবন্ধাঃ শুভা জ্ঞেয়াঃ পীড়াস্তু পরিবর্জ্জয়েৎ ॥৬৯॥
ধর্ম্মং বিচরতঃ পীড়া সাপি দ্বাভ্যাং নিযচ্ছতি। অর্থকাপ্যর্থলুব্ধস্য কামঞ্চাতিপ্রবর্ত্তিন ॥৭০॥

অদুনা য়াম্না হেন্না থুনা মৰু ফংনা ঐবু মাংহল্লকনি ॥৬২॥ মহারাজগী লৈবাক্তসু অতোপ্পা যেন্নবা নিংথৌগী লৈবাক্তসু অথুপ্পা লান্দাবা মী থমগনি। অদুগী মরক্তা অতোপ্পা নিংথৌ অমগী লৈবাক্তা লাইনিংবা তপস্যা তৌবাশিংগী ফিজেৎ শেৎহনবা সাধু-বাবানচিংবা শাহনবা অথুপ্পা লাঙ্গাবাশিংবু লৈবাক্তা ইবাং থংনবা হাপকদৌবনি ॥৬৩॥ উমং, ঋ্বামং, শান্নফম, লাইশং, হরাউ তয়ামহনা ক্তগোই-নচিংবা যুমনচিংবা যেংনবা থক্ত চানবা মফম, লম্বী, তীর্থ, শুহং, চীংমান, তোইন মীযাম তিন্নফম, অচৌবা তুরেন থোংবান অসিনচিংবা মফমদা অয়োনবা ফিজেৎ শেৎপা লাঙ্গা ঈ পাউ তাবা মী লৈহনগদৌবনি ॥৬৪—৬৫॥ তমথিবা অকনবা থবক্তা হাপলিবা লাঙ্গাবশিং অদুনা মচিন্দা অথুম্বা অথোৎপা ৱাহৈদ ঙাংগদৌবনি, নোনলুক্কদৌবনি, থমোইদি ক্তবগী মচিলমূক থোংগদৌবনি অদুগা ৱাঙাং থুদিংদদি মোমোন মোমোন নোক্কদৌবনি ॥৬৬॥ খুৎলোন্নবা, ৱাশকপা, অথুম্বা ৱাহৈ ঙাংবা খোংশোক্না কোক নোন্দুনা থুকুম্বা অচৌ-অচৌবা আশা যাম্না পীবা অসিনচিংবা থবক অসি লন্থুম লৈবাক পাম্বা মীশিংনা শোযদনা তৌফম থোকই ॥৬৭॥ মপান্দ মউংকনি মহৈ খক উংলেংযদবনি, মহৈ পীববসু চাব য়াদবা অমদি চাব যাদনবা মহৈ জাৎ অহ পীগদৌবনি, মহৈ অদু মুন্দ্রবসু অনুনবা মহৈবু উৎকদৌবনি অদুগা পীজরিবা উহৈ অদু চাকুরবসু তুম্মোইদবা মহৈ পীজগদৌবনি ধর্ম্ম, অর্থ, অমদি কাম অহুম অসিগী মনংদা হায়বদি ধর্ম্ম, লন্থুম অমসুং ভোগবিলাস অহুম অসি মতম অমতদা চাউখৎনা ফংনবা তৌরবদি অহুম অসিগী মনুংদা অমগী মথক্তা লেমহৌবা অনিনা য়ৈখায়বা পীরৈ। অমসুং মাহনা অহুম্মকী মহৈ ফংগদৌবদা য়ৈখায়বা পীরৈ। অদুগা হায়রিবা অহুম অসি তোংঙান তোংঙান্না পাংথোকনবা হোৎনরবদি অহুমমক্কী মহৈ অহুম্মক ইফ-ফগনি, মগম অহুনা মহাবাক্ত। মতম অমতদা অহুম্মক পাংননবা হোৎনরোইদবনি (*) ॥৬৮—৬৯॥ অর্থগা কামগা অনি অসিনা ধর্ম্ম তানবা মতমদা য়ৈখায়বা পী, ধর্ম্মগা কামগা অনি অসিনা অর্থ পাম্বা মীগী অর্থ (লন্থুম) বু থিংদুনা থমই ; ধর্ম্মগা অর্থগা অনি অসিনা অমুক কামী ওইবা মীগী কামবু মহৈ য়ালহন্দে ॥৭০॥

(*) টীকাঃ— কনিকনা ধৃতরাষ্ট্রদা রাজনীতিগী মনুংদা য়াওবা কূটনীতিগী হিরম থরদং তাক্লি। মংদি, নিপা অমতনা ধর্ম্মসু চাউখংনবা, লন্থুমসু চাউথৎনবা, কামগী থবক হায়বদি সুপী নহাশিংগা হরাউ তয়ামহনা মরাং কাইনা ভোগবিলাসনচিংবগী থবক চাউথৎনবা থবক অহুম অসি মতম অমতদা পাংথোক্কবা থক হোৎনরোইদবনি।

অগর্ব্বিতাত্মা যুক্তশ্চ সান্ত্বযুক্তোঽনসূয়িতা। আবেক্ষিতার্থং শুদ্ধাত্মা মন্ত্রয়ীত দ্বিজৈঃ সহ ॥৭১॥
কর্ম্মণা যেন কেনৈব মৃদুনা দারুণেন বা। উদ্ধরেদ্দীনমাত্মানং সমর্থো ধর্ম্মমাচরেৎ ॥৭২॥
ন সংশয়মনারুহ্য নরো ভদ্রাণি পশ্যতি। সংশয়ং পুনরারুহ্য যদি জীবতি পশ্যতি ॥৭৩॥
যস্য বুদ্ধিঃ পরিভবেত্তমতীতেন সান্ত্বয়েৎ। অনাগতেন দুর্বুদ্ধিং প্রত্যুৎপন্নেন পণ্ডিতম্ ॥৭৪॥
যোঽরিণা সহ সন্ধায় শয়ীত কৃতকৃত্যবৎ। স বৃক্ষাগ্রে যথা সুপ্তঃ পতিতঃ প্রতিবুধ্যতে ॥৭৫॥
মন্ত্রসংরক্ষণে যত্নঃ সদা কার্য্যোঽনসূয়তা। আকারমভিরক্ষেত চারেণাপ্যনুপালিতঃ ॥৭৬॥
ন বাচ্যো মন্ত্রয়েদ্বিদ্বান্ ন চ কৈশ্চিদুপাসিতঃ। প্রাসাদাগ্রে শিলাগ্রে বা বিশালে বিজনেঽপি বা ॥৭৭॥

নিংথৌনা নাপন থাদোক্তুনা, পুক্নিং চংনা, শুমিৎ চুপ্পা অথুম্বা ৱাহৈদা ভাংহনা অতোপ্পগী মরানবু খংজিল্লগা ফোংদোক্তুনা থমদুনা হিরম পুম্নমক্তা যাম্না মুন্না খন্দুনা থমোই শেংনা রাজপুরোহিত ব্রাহ্মণশিংগা ৱা তান্নগদৌরনি নিংথৌনা অথোৎপনা নত্রগা আকিবগী মশক ওইরবা থবক্না অৱাবা থুদোংথিবদগী হান্না লপ্তোক্লবা হোৎনবগা অদুগী মতুংদা অকনবা ত্থপনবা পুম্নমকসি ভুমগা কোম্না ধর্ম্ম তানগদৌরনি ॥৭১—৭২॥ মী ওইবনা চিংনবা থবক্তা খোংথাংজিল্লুদ্রিব মখৈ অফবা, মঙ্গল ওইবা মহৈ খক ফংবা হৌনদ্রে, অদুগা চিংনবা অমদি থুদোংথিবা থবক অদুদা চংলুরগা মহুদগী হিংলকপা ভুম্নবদি ধন-সম্পত্তি পুম্নমক ফংদুনা মঙ্গল ওইবা ভুমই ॥৭৩॥ মী মহাক অদুগী বুদ্ধিনা অৱাবা থুদোংথিবদগী তৌফম খংদতুনা শুক্নাংখ্রবদি মমা ৱৈদা থোকখিবা অৱাবা থুদোংথিবা থোদোক্কি ৱারি কথা তাহন্দুনা মপুক্নিং নেমহনগদৌরনি অদুগা অপংবদুনা তুংগী আশা যাম্না পিদুনা অদুগা অশিংবনুনা হৌজিক হৌজিক্কী ওহাক্কি হৈশিংবা মওং উত্তুনা নেমহনগদৌরনি ॥৭৪॥ অদুগুম্বা মীশিং অদুনা যেকনবগা সন্ধি তৌরবগা থবক মহৈ যাম্বা নিপা অমগী মতৌগুম নিংঙাযদনা লৈপোক্লবদি, উথক কাকরগা নোমদুনা হাইদুনা শাম্বরদা উশা তেক্তুনা তারক্লগা শোক্তুনা ৱাস্থকবগা জান তারক্তুনা যুক হৌগৎপগুম, মী মহাক অমসু যেকনবনা থুদুম চনখ্রবা তুংদা কোম্থংদা মশাগী অৱাৎপা দোষ অম্ব খংলকই ॥৭৫॥ নিংথৌ হায়বা অসিনা অতোপ্পগী দোষবু ফোংদোক্তুনা মতমলৈবা খিবিক্তা তাম্নরিবা মন্ত্রনা পুম্নমক অতু অতোপ্পা অমনা খংথিদনবা তাখিদনবা কম্না হোৎনগদৌরনি, অমুক করি হায়কনি, চেকপল মথক্তা, চীংগী চীংদোন্দা, প্রাক চাউবরা মীচিক মীরাউখোল তাখিদ্রবা মফমদা মাযকৈ মরি বোযযেং যেংদুনা যাম্না থাজনবরা মী অমা অনিদংগা মন্ত্রনা তৌগদৌরনি; ৱা তান্নফম

হায়বদি লৈবাক লম্খুম চাউথৎপা পাম্বা মীনা ধর্ম্ম থাদোক্কদৌরনি, ধর্ম্ম পাম্বা মীনা লম্খুমগী ৱাথল থাদোক্কদৌরনি, ভোগ বিলাস পাম্বা মীনা ধর্ম্মগা অর্থগা থাদোক্কদৌরনি, ধর্ম্ম পাম্বা মীনা অর্থগা কামগা অনিসি থাদোক্কদৌরনি, অমগী মথক্তা লেমহৌবা অনি অনিনা বিম্নপী। কূটনীতি নত্তবা অচুম্বা নীতিদদি কনিকনা হায়রিবসি ওন্নতৈনবা ৱানি। থাঙ্গৈশংবদি ধর্ম্ম তৌন তৌনা অর্থ তানগদৌরনি, অর্থ তানবা মতমদা ধর্ম্মসু কামসু অনিমক কায়দনবা হোৎনগদৌরনি। ধর্ম্ম কায়না অর্থ তানগদৌরবা নত্তে কামগী ভোগবিলাসনচিংথগী থবকসু ধর্ম্মগা অর্থগা অনিমকপু কায়দনা চৎকনি। কাম ভোগবিলাসগী দমক্তনি হায়দুনসু বলৎকার তৌদুনা পরস্ত্রী কন্যানচিংবদা অত্যাচার তৌরোইদবনি। মরম অদুনা ধর্ম্ম, অর্থ, কাম অহুম অসি অমনা অমগী মথক্তা থক ময়েথায়বা ওইনদে।

নৈমন্তাস্তত্র পশ্চাদ্ভিঃ সচাপৈরেব মন্ত্রয়েৎ। নৈব সংবেশয়েত্তত্র মন্ত্রবেশ্মনি শারিকাম্ ॥৭৮॥
শুকান্ বা শারিকা বাপি বামনমূর্খজড়ানপি। প্রবিষ্টানপি নির্ব্বাস্ত মন্ত্রয়েদ্ধর্ম্মিকর্দ্ধিভিঃ ॥৭৯॥
নীতিজ্ঞৈর্ন্যায়শাস্ত্রজ্ঞৈরিতিহাসে সুনিষ্ঠিতৈঃ। রক্ষাং মন্ত্রস্য নিশ্ছিদ্রাং মন্ত্রান্তে নিশ্চয়েৎ স্বয়ম্ ॥৮০॥
নাচ্ছিত্ত্বা পরমর্ম্মাণি নাকৃত্বা কর্ম্ম দারুণম্। নাহত্বা মৎস্যঘাতীব প্রাপ্নোতি মহতীং শ্রিয়ম্ ॥৮১॥
কর্ষিতং ব্যাধিতং ক্লিন্নমপানীয়মঘাসকম্। পরিবিশ্বস্তমন্দঞ্চ প্রহর্ত্তব্যমরের্বলম্ ॥৮২॥
নার্থিকোঽর্থিনমভ্যেতি কৃতার্থে নাস্তি সঙ্গতম্। তস্মাৎ সর্ব্বাণি কার্য্যাণি সাবশেষাণি কারয়েৎ ॥৮৩॥
সংগ্রহে বিগ্রহে চৈব যত্নঃ কার্য্যোঽনসূয়তা। উৎসাহশ্চাপি যত্নেন কর্ত্তব্যো ভূতিমিচ্ছতা ॥৮৪॥
নাস্য কৃত্যানি বুধ্যেরন্ মিত্রাণি রিপবস্তথা। আরব্ধান্যেব পশ্যেরন্ সুপর্য্যবসিতান্যপি ॥৮৫॥
ভীতবৎ সংবিধাতব্যং যাবদ্ভয়মনাগতম্। আগতন্তু ভয়ং দৃষ্ট্বা প্রহর্ত্তব্যমভীতবৎ ॥৮৬॥
দণ্ডেনাপহতং শত্রুমনুগৃহ্নাতি যো নরঃ। স মৃত্যুমুপগৃহ্নাতি গর্ভমশ্বতরী যথা ॥৮৭॥

মফম অদুদা মচিনথোবা চোংডা, তেন্দ্রবানাংবা উচেক ফাউবা পাইংল্লেইদবনি ॥৭৭—৭৮॥ চোংডা, তেম্নবা, অডাং, অপাংবা, মগোং মপুৎ শোযবা লাক্লবদি মখোযদুবু বা তম্নরিডেদা তাম্বেক্লগা নিথোনা রাজনীতি থংল হৈববা, ন্যায় শাস্ত্র হৈরবা, শাস্ত্র অয়াম্বা মুম্বা খংলবা, ইতিহাস পুবাণ হৈরবা অমদ ধর্ম্ম চেল্লবা ব্রাহ্মণ মন্ত্রিশিংগা বা তান্নগদৌবনি, অদুগী তুংদা যাম্না চেকশিন্না তান্নখিবা বাফম অদু লোম্না থুপ্না থমগনি অদুগা তম্নথবা তুং অদুদসু মাগী মাগী বিচারদা তৌগদৌবা থবক অদু লেপ্নরগা, লেপ্নরিবাশিং অদু তাবগা তৌগদৌবা অমতং মুম্না খল্লগা তৌগদৌবনি ॥৭৯—৮০॥ অতোপ্পা অমগী থমোই শোকনা বাহন্দনা, তমথিবা থবক তৌদনা, ডাকাবা মীশিংগী মতৌ গুমনা মরান লৈতনা মীবু হাৎতনা যামনা পাক চাউরবা সম্পত্তি ফংবা থক যারোই ॥৮১॥ নোংদম থীবদগী খুদোংথীবা তারবা, অকনবা লায়নানা নারবা, ঈশিংদা নত্রগা লৈখোমদা পুৎখত্না তারবা, অরাম খোরাংবনা বারবা তৌফম খংদত্না চম্মনত্না লৈরবা অহ ফাউবদা যেকনবগী মথক্তা চৈথাগদবনি ॥৮২॥ ইনাক খুনবনা ইনাক খুনবগী মফমদা চংদে, অদুগা মী ওইবা হায়বা অসিনা মী অমগী মফমদগী মানা নিংবা পুমনমক থুংহনথবা তুংদা অমুক হন্না মাঙোন্দা চংনিংদ্রে। অদুনা থবক পুমনমক্তা মথাক খব খনদং মথমগনি ॥৮৩॥ চাউখৎপ পাম্বা মীশিংনা অতোপ্পগী দোষবু খক ফোংদোক্তনা য়েকনববু মখা পোলহন্নবা অমদি মাগা লোয়ননা লাম্বেংননবা কন্না তুম্মিন তুম্মিন হোৎনগদৌবনি, থবক অদু তৌমিন্নরিবাশিং অহ্নগী পুকনিং থৌগৎকদৌবনি ॥৮৪॥ মরূপ নত্রগা য়েকনবা কনানম্ব থবক হৌদ্রিডগী মমাংদা অশিংবা অদুনা শীল্লক্কদৌবা থবক অদু থক খংবা ডমদে, থবক অদুনা হৌগৎখ্রবা মতুংদা নত্রগা লোইরবা তুংদা থবক অদু উবা ফংগনি ॥৮৫॥ অকিবা খুদোং থীবা লাক্ত্রি ফাউবা, য়ামনা কিন কিন হায়বদি থবক তৌহনা লৈগনি, অকিবা খুদোং থীবা অদুনা হেক লাক্লবদি ইকি কিদবগুমনা থৌনা ফনা ওন্ন তৈম্নবা থবক তৌরবা ফাউবদা লাকলিবা খুদোং থীবদু লাম্থোকনবা হোৎনগদৌবনি ॥৮৬॥ অহুম্বা মী অহনা মশাবু বারকচবগী অমদি মশাবু কাজিন্দুনা থম্বগী নীতিনা অমাংবা ফংখ্রবা য়েকনবা অহগী মফমদা অমুক থৌজাল্লবদি মহাক তদো শগোলগা লোল্লাগা তিন্নহনা পোকপা শগোল অমোমনা

অনাগতং হি বুধ্যেত যচ্চ কার্য্যং পুরঃস্থিতম্। ন তু বুদ্ধিক্ষয়াৎ কিঞ্চিদতিক্রামেৎ প্রয়োজনম্।৮৮।
উৎসাহশ্চাপি যত্নেন কর্ত্তব্যো ভূতিমিচ্ছতা। বিভজ্য দেশকালৌ চ দৈবং ধর্ম্মাদয়স্ত্রয়ঃ।
নৈঃশ্রেয়সৌ হি তৌ জ্ঞেয়ৌ দেশকালাবিতি স্থিতি.।৮৯।
তালবৎ কুরুতে মূলং বাল শত্রুরুপেক্ষিতঃ। গহনেঽগ্নিরিবোৎসৃষ্টঃ ক্ষিপ্রং সঞ্জায়তে মহান্।৯০।
অগ্নিস্তোকমিবাত্মানং সন্ধুক্ষয়তি যো নরঃ। স বর্দ্ধমানো গ্রসতে মহান্তমপি সঞ্চয়ম্।৯১।
আশাং কালবতীং দদ্যাৎ কালং বিঘ্নেন যোজয়েৎ। বিঘ্নং নিমিত্ততো ব্রূয়ান্নিমিত্তং বাপি হেতুতঃ।৯২।
ক্ষুরো ভূত্বা হরেৎ প্রাণান্ নিশিতঃ কালসাধনঃ। প্রতিচ্ছন্নো লোমহারী দ্বিনতাং পরিকর্ত্তন.।৯৩।
পাণ্ডবেষু যথান্যায়মন্যেষু চ কুরূদ্বহ!। বর্ত্তমানো ন মজ্জেস্ত্বং তথা কৃত্যং সমাচর।৯৪।
সর্ব্বকল্যাণসম্পন্নো বিশিষ্ট ইতি নিশ্চয়.। তস্মাত্ত্বং পাণ্ডুপুত্রেভ্যো রক্ষাত্মানং নরাধিপ!।৯৫।
ভ্রাতৃভ্যো বলিনো যস্মাৎ পাণ্ডুপুত্রা নরাধিপ!। ব্রবীমি তস্মাদ্বিস্পষ্টং যৎ কর্ত্তব্যমরিন্দম!।৯৬।

মশামক শিননবা গর্ভ পুবগুম অশিববু লেঙ্গোন্নহনা লৈরিবমকনি।৮৭। ভুংদা থোকলকবা [illegible] মাংমক্তদা থোবলববা থবক অদুগী মরমদা তৌরগা কবি ফংবা, তৌরগা করি [illegible] হিবমদা মুন্না খনগদবনি, অদুগা বুদ্ধি মাংবদগী তৌফম থংদহুনা তৌগে খনখিবা থবক [illegible] থাদোবোইদবনি।৮৮। চাউখৎপা পাম্বা মীনা মফম থংনা থবক পুন্নমক হোৎনগদবনি; মেপ কাল অনিবু খাযদোক্লুনা ধর্ম্ম অর্থ কাম অহুম অসিবু পাংথোক্লবা হোৎনগদবনি। করিনা হায়ববু মফম মতম হাযবা অনি অসিতনা থবক পুন্নমক্কী নিংথিনা পাংথোক্লবগী খুৎলাইনি।৮৯। অপীকপনি হায়দুনা য়েল্লববু থৌওইদ্রবদি অপীকপা অশোনবা য়েক্লবা অদুনা, ইনৌ নৌনা লৈরম্বা কোনা পাম্বীনা মতম ফংলবদা খংহৌদনা ব্রাং চাউখিবা অকনবা ওইখিবগুম অমসুং নারক্তা তাহৌবা মৈবিক মচা অদুতনা হন্না য়েংলুবদা বন পুমনমক চাক্তুনা লৈরম্বগুম খুদক্তা অকিবগী মশক ফংনা কনখৎলকপনি।৯০। পীকলবস্ন যেকনবনা পীকপা হায়বসিদি মৈরিক্লা পীকপগুম্বনি, অদুগুম্বা মৈরিক অহুনা পীকলবস্ন মাতুবু কামখৎলগা হৌহনবা ভম্বা মীনা কংলবা শীংন থল্লবা বনগী মশক ওইরবা রাজ্য অমবু চাবথেকহনবা ভম্বানি।৯১। বনাগুম্বমা মাগী অব্রাংবা আশা অমাবু থুংবা পাম্লবদি মাতুতদা ম্যাদ (মতম) য়ামনা শাংনা পিগনি, মতম অহুনা লাকলবদা য়ৈথায়বা খরসু উৎলক্কনি অদুগা য়ৈথাযবা অদুসু কৈদৌনবা ওইরিবনো হায়বগী মরমসু উৎকনি।৯২। থোরবা, মতম তাঞ্জা বুইনা ভায়রবলবা অথুপ্পা অরোনবা পুন্নমক লোইনা ফাজিন্দুনা থম্লবা, তেংবাংবা পুন্নমক থোমজিল্লবা অদুগা ককথৎপা হৈরবা ক্ষুর অমাগী মশক লোহুনা য়েকনববু মাংহনগদবনি।৯৩। মরম অহুনা হে কুরু শাগেগী অথোইবা। ঐনা হায়জরিবা নীতি অসিগী মতুং ইন্না পাণ্ডবশিংগা নত্রগা অতোপ্পাগা লোয়ননা তিন্নানা লৈমিন্নবদা ভাব ইতা তাদনা মত্ত ওইদুনা লুপ্তুনা লৈথোকলোইদবনি। মরম অদুনা তৌগদবা থবক পুন্নমক তুম্মিন তুম্মিন্না পংশিন্দুনা মরৈবিয়।৯৪। মহারাজ! মহারাজদি বিষয় পুন্নমক্তা মঙ্গল ওইবিরিবা অদুগা খাইদ্রগী খোইদোক হেন্দোকনা লৈরিবনি হায়বসি অয়েপ্পনি। মরম অদুনা পাণ্ডুগী মচাশিংগী মথুত্তগী থবাই কমলবা কন্না হোৎনবিয়ো।৯৫। মহারাজ! পাণ্ডবশিংনা দুর্য্যোধননাচিংবশিংদগী মপাঙ্গল কনবা

স পুত্রঃ শৃণু তদ্রোজন্। শ্রুত্বা চ ভব যত্নবান্। যথা ভয়ং ন পাণ্ডুভ্যস্তথা কুরু নরাধিপ।।
পশ্চাত্তাপো যথা ন স্যাত্তথা নীতির্বিধীয়তাম্ ॥৯৭॥
বৈশম্পায়ন উবাচ।
এবমুক্ত্বা সম্প্রাতস্থ কণিক স্বগৃহং ততঃ। ধৃতরাষ্ট্রোঽপি কৌরব্যঃ শোকার্ত্তঃ সমপদ্যত ॥৯৮॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি সম্ভবে
সম্ভবে কণিকবাক্যং পঞ্চত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——০ঃ(*)ঃ০——

হেল্লি, অসিগুম্বা মতম অসিদা তৌগদবা পুন্নমক মহারাজগী মফমদা শেংনা হায়জগে ॥৯৬॥ মহারাজ। ঐনা হায়জগদৌরিবা অসি মুন্না তাবিয়ু মাসিবু তাবগা নচাশিং পুন্নমক্কা লোযননা পাণ্ডবশিংগী মফমদগী অকিবা চিংনবাশিং অসিদগী লাস্তোকনবা হোংনবিয়ু, তুংদা নিংঙমদবা থোক্তনবা হৌজিকনা অকুপপা, রাজ নীতি বাথল তৌবিহোরো ॥৯৭॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— কনিকনা বাসি হায়রম্লগা ময়ুমদা চৎখি, ধৃতরাষ্ট্রসু মপুকনিংদা তৌগদৌবসি কবিনো অসুম হায়না থন্দুনা লাংতকননা লৈরেহৌই ॥৯৮॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা সম্ভবতা কনিকবাক্য কৌবা চামগা কুন্থ্রামঙা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——(০)——

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

("চাশং মৈথাব"গী মন্নংদা দুর্য্যোধননা বা তান্নবা)

(চামা কুন্থ্রাতরুক শুবা অধ্যায়)

——(*)——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ সুবলপুত্রশ্চ রাজা দুর্য্যোধনশ্চ হ। দুঃশাসনশ্চ কর্ণশ্চ দুষ্টং মন্ত্রমমন্ত্রয়ন্ ॥১॥
তে কৌরব্যমনুজ্ঞাপ্য ধৃতরাষ্ট্রং নরাধিপম্। দহনে তু সপুত্রায়াঃ কুন্ত্যা বুদ্ধিমকারয়ন্ ॥২॥
তেষামিঙ্গিতভাবজ্ঞো বিদুরস্তত্ত্বদর্শিবান্। আকারেণৈব তং মন্ত্রং বুবুধে দুষ্টচেতসাম্ ॥৩॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগী তুংদা, শকুনি, দুর্য্যোধন দুঃশাসন অমসুং কর্ণ মখোয় অসিনা পাণ্ডবশিংগী মাংনবা বাতানবা হৌখি ॥১॥ মুকগী নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রগী মত লৌরগা মচাশিংগা লোয়ননা কুন্তীবু য়ুমমৈ থাদুনা হাংনবগী খাখন তৌবা হৌখি ॥২॥ মখোয়গী অকুপপ-অথুপপ, থংলবা বিদুরনা

ততো বিদিতবেত্তাত্মা পাণ্ডবানাং হিতে রতঃ। পলায়নে মতিং চক্রে কুন্ত্যাঃ পুত্রৈঃ সহানঘঃ ॥৪॥
ততো বাতসহাং নাবং যন্ত্রযুক্তাং পতাকিনীম্। উর্ম্মিক্ষমাং দৃঢ়াং কৃত্বা কুন্তীমিদমুবাচ হ ॥৫॥

বিদুর উবাচ ।

এষ জাতঃ কুলস্যাস্য কীর্ত্তিবংশপ্রণাশনঃ। ধৃতরাষ্ট্রঃ পরীতাত্মা ধর্ম্মং ত্যজতি শাশ্বতম্ ॥৬॥
ইয়ং বারিপথে যুক্তা তরঙ্গপ্রবনক্ষমা। নৌর্যয়া মৃত্যুপাশাত্ত্বং সপুত্রা মোক্ষ্যসে শুভে ! ॥৭॥
তচ্ছ্রুত্বা ব্যথিতা কুন্তী পুত্রৈঃ সহ যশস্বিনী। নাবমারুহ্য গঙ্গায়াং প্রযযৌ ভরতর্ষভ ! ॥৮॥
ততো বিদুরবাক্যেন নাবং বিক্ষিপ্য পাণ্ডবাঃ। ধনজাদায় তৈর্দত্তমরিষ্টং প্রাবিশন্ বনম্ ॥৯॥
নিষাদী পঞ্চপুত্রা তু জাতুষে তত্র বেশ্মনি। কারণাভ্যাগতা দগ্ধা সহ পুত্রৈরনাগসা ॥১০॥
স চ ম্লেচ্ছাধমঃ পাপো দগ্ধস্তত্র পুরোচনঃ। বঞ্চিতাশ্চ দুরাত্মানো ধার্ত্তরাষ্ট্রাঃ সহানুগাঃ ॥১১॥
অবিজ্ঞাতা মহাত্মানো জনানামক্ষতাস্তথা। জনন্যা সহ কৌন্তেয়া মুক্তা বিদুরমন্ত্রিতাৎ ॥১২॥
ততস্তস্মিন্ পুরে লোকা নগরে বারণাবতে। দৃষ্ট্বা জতুগৃহং দগ্ধমন্বশোচন্ত দুঃখিতাঃ ॥১৩॥

ফত্রবা মীশিং অমুগী মীৎলৈ নারৈ উবদা অমদি মখোয়গী তৌরকলিবা থৌওংশিং অদু উবদা মখোয়গী মন্ত্রনাগী অর্থ অদু মুম্ন থংখে ॥৩॥ অচদগী পাণ্ডবশিংগী কান্নবতা খল্লবা, থবক পুম্নবু মমুংথীংনা খংগল্লবা অমদি পাপ চেন্দ্রবা বিদুরনা মচা মশাগা লোয়নননা কুন্তী দেবীনা চেনখিনবা বুদ্ধি তৌবা হৌরকলে ॥৪॥ অদুগী মতুংদা মুংশিংনা হুমদোকপা ভমলোইদৌবা অমদি ঈথকপু খাংবা ভমগদবা কল্লবা অমদি ফিনা পাংত্তিংবা যন্ত্রনা হোন্দুনা পুবা য়াবা হি অম থুনা য়াংনা শাবা লোইরবা তুংদা কুন্তীদা বিদুরনা হায়খি ॥৫॥ বিদুরনা হায়খি— ঐখোয়গী মমুংদা ধৃতরাষ্ট্র কৌবা অসিতনা শাগৈ মাংহনবা মিংচৎ থীহনবা নিপা অম ওইনা পোকলরবনি ইতৈমা। ফত্তবা মীশিং থরনা ইকোয় কোযশিনখিবদগী মবুদ্ধি মাংখিদুনা মতম কুইনা লেংদনা চৎলকপা ধর্ম্মবু থাদোক্লগে হায়না খন্দুনা মাদু থোক্লবা থবক্ত পুক্লিং চংখে ॥৬॥ উজবদা মঙ্গল ওইননবগী মশক ওইবী। ঈথকপুম্বা লাম্বোক্তুনা চৎখিবা ভম্লবা হি অমথক ঐনা থৌরাং তৌদুনা থমজরবনি, মাদুগী পাম্বৈনা নচাশিং পুম্নমক্কা লোয়ননা অশিবগী থয়াওগী লাম্বোক্লবা হোৎনবিগদবনি ॥৭॥ কুন্তীনা মাদু তাবদা থম্মোইদা থোইদোক্লা অম্বাবা মুংতাইতবা পোকখি, মচাশিংগা লোয়ননা হিথক অদুদা কাখত্তুনা গঙ্গা তুরেলগী ঈচেল মতুংইন্না চেনখি ॥৮॥ অদুগী তুংদা পাণ্ডব মশানা মমাগা লোয়ননা বিদুরগী পাওতাক মতুংইন্না হি অদু হুন্দোক্লমদুনা বিদুর-নচিংবনা পীরম্বা লন থুম অদু পুদুনা রৈথায় থিনগাই লৈতনা কনগী মমুংদা চংখি ॥৯॥ অমারোমদনা শাদানবগী লুপী অমম্বা মচা মশাগা লোয়নননা লাক্তুনা করিগুম্বা মরমগী দমক চাগী শং অদুদা চংলক্তুনা লৈখি, মরাক লৈজরবী শাদানবী অদু মচাশিংগা লোয়ননা মৈনা চাক্তুনা শিখি ॥১০॥ মীহাৎ মীখিনবা হন্নেংরবা তোল্লবা জাতিদা পোক্লবা পাপ চেন্নবা পুরোচন হায়রবদুসু চাশং চাকপদুদা অদুম য়াওখে। মতৌ অমুম্বা কত্রবা দুর্য্যোধননচিংবশিং অদো মখোয়গী থোংলোয়শিংগা লোয়ননা মশানা মশামু অদুম নমথাক তৌজদুনা লৈহৌরে ॥১১॥ অসোমদা পুকচেল চাওরবা, পাণ্ডবশিংনা বিদুরনা তাকপা মতুং ইন্না অতৈ অমনা খংহৌ উৎহৌদনা, মশাগা করিগুম্বা রৈথায় থিনগাই অমতা কংদ্রনা মমা কুন্তীগা লোয়ননা শিগানবগী নাম্বোকখি ॥১২॥ অদুগী তুংদা বারনাবতগী মী পুম্নমক্কা

রাজ্ঞে চ প্রেষয়ামাসুর্যথাবৃত্তং নিবেদিতুম্। সংবৃত্তস্তে মহান্ কামঃ পাণ্ডবান্ দগ্ধবানসি ॥১৪॥
সকামো ভব কৌরব্য! ভুঙ্ক্ষ রাজ্যং সপুত্রকঃ। তৃচ্ছ্রুত্বা ধৃতরাষ্ট্রস্তু সহ পুত্রেণ শোচয়ন্ ॥১৫॥
প্রেতকার্য্যাণি চ তথা চকার সহ বান্ধবৈঃ। পাণ্ডবানাং তথা ক্ষত্তা ভীষ্মশ্চ কুরুসত্তমঃ ॥১৬॥

জনমেজয় উবাচ।

পুনর্বিস্তরশঃ শ্রোতুমিচ্ছামি দ্বিজসত্তম!। দাহং জতুগৃহস্যৈব পাণ্ডবানাঞ্চ মোক্ষণম্ ॥১৭॥
সুনৃশংসমিদং কর্ম্ম তেষাং ক্রূরোপসংহিতম্। কীর্ত্তয়স্ব যথাবৃত্তং পরং কৌতূহলং মম ॥১৮॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

শৃণু বিস্তরশো রাজন্! বদতো মে পরন্তপ!। দাহং জতুগৃহস্যৈতং পাণ্ডবানাঞ্চ মোক্ষণম্ ॥১৯॥
প্রাণাধিকং ভীমসেনং কৃতবিদ্যং ধনঞ্জয়ম্। দুর্য্যোধনো লক্ষয়িত্বা পর্য্যতপ্যত দুর্ম্মনা ॥২০॥
ততো বৈকর্ত্তন কর্ণ শকুনিশ্চাপি সৌবলঃ। অনেকৈরভ্যুপায়ৈস্তে জিঘাংসন্তি স্ম পাণ্ডবান্ ॥২১॥
পাণ্ডবা অপি তৎ সর্ব্বং প্রতিচক্রুর্যথাগতম্। উদ্ভাবনমকুর্ব্বন্তো বিদুরস্য মতে স্থিতাঃ ॥২২॥

ইমুংদা লৈবা মীশিংগা লোয়ননা য়ুম অংনা লোইনা চাকখিবদু উবদা থোইদোক্না অম্বাবা ফোংদোকখি ॥১৩॥ মখোয়না পাণ্ড পুম্বা তম্মুনবা হায়দুনা ধৃতরাষ্ট্রগী মফমদা পাও পুবা মী থাখ্রে, দূত অদু লাক্তুনা ধৃতরাষ্ট্রদা তৈম্মে— মহারাজ! মহারাজগী তৌভমত্রবা থৌশীল অদো মহৈ য়াল্লে, পাণ্ডুগী মচা মচা, মৈদা থাদুনা হাৎপিরে। ॥১৪॥

"কুকনিংথৌ! তাবিয়ু। নীংব পুম্বা থুংবিয়ু।
নঙা ইবুঙোশিংগা লোয়ননা, নীং তম্না রাজভোগ ফংবিরো"

বা অসি তাবদা মচা দুর্য্যোধননচিংবাশিংগা তাম্নদুনা পাণ্ডব মচা শিখিবগী অম্বাবা পুংতাইতবা উত্তুনা, কুরু শাগৈগী অথোইবা ভীষ্ম, বিদুরনচিংবা অতৈ অতৈ মরূপ মপাং শাগৈ নাতৈগা লোয়নবা পাণ্ডব মচাগী শ্রাদ্ধনচিংবা প্রেতগী কর্ম্ম পুম্বা পাংথোকখি ॥১৫–১৬॥ বারী তাম্নিবা জনমেজয় নিংথৌনা হায়— হে ব্রাহ্মণ অথোইবা! চাশং মৈথাবগী মতাং অসি অদুগা পাণ্ডবশিংনা করম্না নাম্থোকখিব অসি পুম্নমক অমুক লোইনা মরাং কায়না তাজনিংঙি ॥১৭॥ দুর্য্যোধননচিংবাশিংনা তৌখিবা তমখিরবা থবক পুম্ব অদুগা পুকচেল ফত্রবা কনিক মন্ত্রীনা হায়খিবা অমদি মাহগী মতুংইন্না থোকখিবা থৌদোক পুম্বা মথং মনাও নাইনা লীবিয়ু, য়াম্না মতানীংখ্রে ॥১৮॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মদু অদু মতাইরে মহারাজ! চাশং মৈ থাবা অমদি পাণ্ডবশিংনা নাম্থোকখুনা চেনখিবগী বারী অসি কোইনা মথং মনাও নাইনা লীজগে তাবিরো ॥১৯॥ পাঙন্দা ভীমনা থম্বাইদগী হেনবা অমদি খুংগু খুংনারবা অর্জুননা থম্বাইদগী চংথেম্র হৈখিবদু উবদা থোইদোক্না কল্লকপা লাংতক্‌খনা দুর্য্যোধন অসি থম্মোই পুম্না চানখে ॥২০॥ অদুনা সূর্য্যদেবগী মচা কর্ণ সুবলগী মচা শকুনি অমসুং দুর্য্যোধন অথোয়বশিং অসিনা মথম মথা অয়াম্বা উপায়না পাণ্ডবশিংগী মাংননবা থৌরাং তৌগে থক্লকলে ॥২১॥ পাণ্ডবশিংনসু অলোয়বা শিন্নবা তাকপা নীতি মতুং ইন্না, করিগুম্বা অমতা হায়দোকতনা, থুমোংথীবা লাকপা মতমদা লাক্নি লাক্নিব

গুণৈঃ সমুদিতান্ দৃষ্ট্বা পৌরাঃ পাণ্ডুসুতাংস্তদা। কথয়াঞ্চক্রিরে তেষাং গুণান্ সংসৎসু ভারত ॥২৩॥
রাজ্যপ্রাপ্তিঞ্চ সম্প্রাপ্তং জ্যেষ্ঠং পাণ্ডুসুতং তদা। কথয়ন্তি স্ম সম্ভূয় চত্বরেষু সভাসু চ ॥২৪॥
প্রজ্ঞাচক্ষুরচক্ষুষ্ট্বাদ্ ধৃতরাষ্ট্রো নরাধিপঃ। রাজ্যং ন প্রাপ্তবান্ পূর্ব্বং স কথং নৃপতির্ভবেৎ ॥২৫॥
তথা শান্তনবো ভীষ্মঃ সত্যসন্ধো মহাব্রতঃ। প্রত্যাখ্যায় পুরা রাজ্যং ন স জাতু গ্রহীষ্যতি ॥২৬॥
তে বয়ং পাণ্ডবজ্যেষ্ঠং তরুণং বৃদ্ধশীলিনম্। অভিষিঞ্চাম সাধ্বত্র সত্যকারুণ্যবেদিনম্ ॥২৭॥
স হি ভীষ্মং শান্তনবং ধৃতরাষ্ট্রঞ্চ ধর্ম্মবিৎ। সপুত্রং বিবিধৈর্ভোগৈর্যোজয়িষ্যতি পূজয়ন্ ॥২৮॥
তেষাং দুর্য্যোধনঃ শ্রুত্বা তানি বাক্যানি জল্পতাম্। যুধিষ্ঠিরানুরক্তানাং পর্য্যতপ্যত দুর্ম্মতিঃ ॥২৯॥
স তপ্যমানো দুষ্টাত্মা তেষাং বাচো ন চক্ষমে। ঈর্ষ্যয়া চাপি সন্তপ্তো ধৃতরাষ্ট্রমুপাগমৎ ॥৩০॥
ততো বিরহিতং দৃষ্ট্বা পিতরং প্রতিপূজ্য সঃ। পৌরানুরাগসন্তপ্তঃ পশ্চাদিদমভাষত ॥৩১॥

মওং অদুগী কোক্লনবা তৌবা হৌরক্লে ॥২২॥ অসোমদা হস্তিনাপুরদা লৈবা মী পুম্নমকনা পাণ্ডবশিংবু গুণ পুম্নমকনা তিনবদু উবদা মখোয়গী মতিক মগুণবু তিন্নবা সভাশিবিক্তা ভাংন ভাংনম্বনা থাগৎনখি ॥২৩॥ অদুদগী প্রজা পুম্নমক অহনা লম্বী লম্বাং খিবিক্তা সভা তিন্নফম খুদিংদা মী কাংলুপ মপৈ মপৈনা যুধিষ্ঠির নিংথৌ ওইবা মতিক চারে চারে হায়না লাউনরক্লে ॥২৪॥ মখোয়না অসুম হায়না লাউনখি—

'খরাইগী অহন ওইরবা ধৃতরাষ্ট্র কৌবা মহাক্না
পোকপদগী মিৎ উদে হাযদুনা নিংথৌ খুবম ফংখিদে
হৌজিক্লা করম তৌদুনা মহাকনা নিংথৌ ওইগনি" ॥২৫॥
'ব্রাশক থোইনা চেংলবা শান্তনু মপারী ভীষ্মনা
পুনশিচপ্পা লেংদবা ব্রহ্মচারি ওইহনা, মপাগী নিংবা পুংনবা
নিংথৌ খুবম থাদোকপা মতোন্দা নিংথৌ হাপ্পদি
মহাকনা কাঁরম্থ য়ানিংলোই ॥২৬॥
"পাখং মথোং কারকপা অহন লম্নল মশক থংলবা
মপুকচেল ফজবা থৌজাল হৈরবা খরাইগী অহন, যংফম থোকপা
যুধিষ্ঠির কৌবা মহাকপু ঐখোয়না নিংথৌ হাপকনি" ॥২৭॥
"ধর্ম্ম থংলবা যুধিষ্ঠির দান থৌজান্দা মহাবীর
মহাকনা নিংথৌ ওইরগা শান্তনুগী মচা ভীষ্মবু
মচাশিংগা লোয়নবা মপল ধৃতরাষ্ট্রবু, ইকায খুম্নবা তরাম্না
রাজভোগ ফংবা য়াওহল্লি" ॥২৮॥

মতৌ অসুমনা যুধিষ্ঠিরবু নুংশিবা প্রজাশিং অদুনা য়ারকৈ মরিমক্তা লাওশিল্লকপা থোল্লাউশিং অদুবু তাবদা মপুকচেল ফজবা দুর্য্যোধনগী থাবগী ওমথৈ লৈখিদে ॥২৯॥ মপুকচেল ফজবা দুর্য্যোধন অদু থোইনা অরাবা লাংতকনবনা, কল্লক য়েংশীনগী মৈনা, থমোই পুরা চাক্লুনা প্রজানা ভাংনরিবা য়াশিং অদুবু তাক্লুনা লৈব ওমখিদে, মপা ধৃতরাষ্ট্রগী মফমদা থাচানবা চৎখি ॥৩০॥ অদুগী মতুংদা

দুর্য্যোধন উবাচ।

শ্রুতা মে জল্পতাং তাত! পৌরাণামশিবা গিরঃ। ত্বামনাদৃত্য ভীষ্মঞ্চ পতিমিচ্ছন্তি পাণ্ডবম্ ॥৩২॥
মতমেতচ্চ ভীষ্মস্য ন স রাজ্যং বুভুক্ষতি। অস্মাকন্তু পরাং পীড়াং চিকীর্ষন্তি পুরে জনাঃ ॥৩৩॥
পিতৃতঃ প্রাপ্তবান্ রাজ্যং পাণ্ডুরাত্মগুণৈঃ পুরা। ত্বমন্ধগুণসংযোগাৎ প্রাপ্তং রাজ্যং ন লব্ধবান্ ॥৩৪॥
স এষ পাণ্ডোর্দায়াদ্যং যদি প্রাপ্নোতি পাণ্ডবঃ। তস্য পুত্রো ধ্রুবং প্রাপ্তস্তস্য তস্যাপি চাপরঃ ॥৩৫॥
তে বয়ং রাজবংশেন হীনাঃ সহ সুতৈরপি। অবজ্ঞাতা ভবিষ্যামো লোকস্য জগতীপতে! ॥৩৬॥
সততং নিরয়ং প্রাপ্তাঃ পরপিণ্ডোপজীবিনঃ। ন ভবেম যথা রাজন্! তথা নীতির্বিধীয়তাম্ ॥৩৭॥
যদি ত্বং হি পুরা রাজন্! ইদং রাজ্যমবাপ্তবান। ধ্রুবং প্রাপ্স্যাম চ বয়ং রাজ্যমপ্যবশে জনে ॥৩৮॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এতচ্ছ্রুত্বা তু পুত্রস্য প্রজ্ঞাচক্ষুর্নরাধিপঃ। কণিকস্য চ বাক্যানি তানি শ্রুত্বা স সর্ব্বশঃ ॥৩৯॥

দুর্য্যোধননা কনা কনাসু য়াওদনা কমহুনা লৈরিবা ধৃতরাষ্ট্র উবদ', তুম্মিম চংহনা খুরুমগা, যুধিষ্ঠিরগী মফমদা প্রজাশিংনা থাগৎপা অমদি সুংশিবা অহুগী কল্লক মৈনা চাক্লবা থমোই ওইহনা ব্বাসি হায়খি ॥৩১॥ দুর্য্যোধননা হায়খি— পাবুং মহারাজ! হস্তিনাপুরগী প্রজাশিংনা ঐখোয়গী ইথক্তা ভাংলিবা শকলিবা, ঐখোয়গী অমঙ্গল ওইবা খোল্লাউশিং অসি নাকোংদা হাপপা চল্লক্লে, মখোয়না পাবুংবু অমদি ইবুধৌ ভীষ্মবু খোঁওই উশিত্তনা থাদোক্লম্লগা পাণ্ডুগী মচা যুধিষ্ঠিরবু নিংথৌ হাপনিংলি ॥৩২॥ ভীষ্ম দেবমক্কী পুকনিংদসু নিংথৌ ওইবগী আশাদি ইলৈ লৈতব পামসু পামদবনি। মরম অদুনা হস্তিনাপুর বাসীশিংনা ঐখোয়গী থমোইদা য়াম্না সুংভায়তবা অৱাবা পীগে হায়না খল্লি ॥৩৩॥ অহন ওইরবা পাবুংগী ফংফম থোকপা রাজ্যবু মাগী মতিক মগুণতনা ফংহনা পাণ্ডুনা নিংথৌ ওইখিবনি। পোকপদগী মিৎ উদবনা পাবুংনা নিংথৌ ওইখিদবনিদো ॥৩৪॥ অহগুম্বা পাণ্ডু অদুগী মচানা ফংফম থোকপা ফংবগী আধকারনা পিতৃসত্ব ফংবগী নিয়ম মতুংইন্না নিংথৌ ওইথ্রবদা, নিয়ম অসিগী মতুংইন্না মহাক্কী মচানা নিংথৌ ওইহৌবা তারে, অদুগী মথংদা মাগী মচানা অতুগী মথংদা মাগী মচানা নিংথৌ ওইহৌব তরে ॥৩৫॥ পাবুং মহারাজ! তাবিন্না হায়রিবা নিয়ম অসিনা মতুং মনাও ফাউবা মচংনথ বদি ঐখোয়দি নিংথৌগী বংশদা পোকই হাযদুনসু তুংদা ৮াক্কদৌবা ইচা ইগুশিংগী লম্বী ফাউবা ককথৎ পিরমতুনা নিংথৌ ওইবা ফংদনা অসুম মরৈবা তারেদো, অদুগা ময়ামগী থৌওইনদকম, নোক্লকম ওইদুনা পুনসি লেনবা তারি ॥৩৬॥ মরম অদুনা পাবুং মহারাজ! ঐখোয়না ইহলোক পরলোক অনিমক্তা মীনা পীজবা পিণ্ডদানদ চাদনা নরকগী অৱাবা ফংদনবা অশিংবা উপায় অমতা তৌবিরম্মু ॥৩৭॥ মহারাজ! মমাংভেদগী পাবুংনা নিংথৌ ওইবিরক্লম্মবদবু অসি কদায়দগী থোক্কদগে. প্রজাশিংনা ফনয়াম্না যুধিষ্ঠিরবু সুংশিরবসু ঐনা শোয়দনা নিংথৌ ওইবা মতারমগদবনি। ৩৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— জ্ঞানতনা মিৎ ওইজরিবা অহন ওইরবা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রনা মচা দুর্য্যোধনগী ৱা তাবদা অমসুং মন্ত্রি কনিকগী নীতি পুম্নমক অহ নিংশিংলুবদা মহাক্কী থমোই অতু সুং অনিগী মরক্তা হাওন লৈখি অমদি অৱাবনা চিনবান লাম্বা ফংখিদে, মতম অদুদা দুর্য্যোধন, দুঃশাসন,

ধৃতরাষ্ট্রো দ্বিধাচিত্তঃ শোকার্ত্তঃ সমপদ্যত। দুর্য্যোধনশ্চ কর্ণশ্চ শকুনিঃ সৌবলস্তথা ॥৪০॥
দুঃশাসনচতুর্থাস্তে মন্ত্রয়ামাসুরেকতঃ। ততো দুর্য্যোধনো রাজা ধৃতরাষ্ট্রমভাষত ॥ ৪১ ॥
পাণ্ডবেভ্যো ভয়ং ন স্যাত্তান্ বিবাসয়তাং ভবান্। নিপুণেনাভ্যুপায়েন নগরং বারণাবতম্ ॥৪২॥
ধৃতরাষ্ট্রস্তু পুত্রেণ শ্রুত্বা বচনমীরিতম্। মুহূর্ত্তমিব সঞ্চিন্ত্য দুর্য্যোধনমথাব্রবীৎ ॥৪৩॥
ধর্ম্মনিত্যঃ সদা পাণ্ডুস্তথা ধর্ম্মপরায়ণঃ। সর্ব্বেষু জ্ঞাতিষু তথা ময়ি চাসীদ্বিশেষতঃ ॥৪৪॥
নাসৌ কিঞ্চিদ্বিজানাতি ভোজনাদি চিকীর্ষিতম্। নিবেদয়তি নিত্যং হি মম রাজ্যং ধৃতব্রতঃ ॥৪৫॥
তস্য পুত্রো যথা পাণ্ডুস্তথা ধর্ম্মপরায়ণঃ। গুণবান্ লোকবিখ্যাতঃ পৌরাণাঞ্চ স সম্মতঃ ॥৪৬॥
স কথং শক্যতেঽস্মাভিরপাকর্ত্তুং বলাদিতঃ। পিতৃপৈতামহাদ্রাজ্যাৎ সসহায়ো বিশেষতঃ ॥৪৭॥
ভৃতা হি পাণ্ডুনাঽমাত্যা বলঞ্চ সততং ভৃতম্। ভৃতাঃ পুত্রাশ্চ পৌত্রাশ্চ তেষামপি বিশেষতঃ ॥৪৮॥
তে পুরা সৎকৃতাস্তাত! পাণ্ডুনা নাগরা জনাঃ। কথং যুধিষ্ঠিরস্যার্থে ন নো হন্যুঃ সবান্ধবান্ ॥৪৯॥

দুর্য্যোধন উবাচ।

এবমেব ময়া তাত! ভাবিতং দোষমাত্মনি। দৃষ্ট্বা প্রকৃতয়ঃ সর্ব্বা অর্থমানেন পূজিতাঃ ॥৫০॥
ধ্রুবমস্মৎসহায়াস্তে ভবিষ্যন্তি প্রধানতঃ। অর্থবর্গঃ সহামাত্যো মৎসংস্থোঽদ্য মহীপতে! ॥ ৫১ ॥

কর্ণ অমদি শকুনি মখোয় অসিনা নাকল অমদা পাণ্ডবশিংবু তাস্থোক্লবা ব্রা তান্নখি, অহুগী তুংদা দুর্যোধননা লাক্কুনা মপা ধৃতরাষ্ট্রগী মফমদা হায়খি ॥৩৯—৪১॥ মহারাজ! পাণ্ডবশিংগী মফমদগী ঐখোয়গী অকিবা চিংনবা অসি বোক্লনবা করিগুম্বা অশিংবা উপায় অমনা মখোযবু বারনাবত নগরদা থাননবা শীনবিয়ু ॥৪২॥ ধৃতরাষ্ট্রনা ওহাক্তং ব্রাখল তৌবগা হায়রকই ॥৪৩॥ দুর্য্যোধন! পাণ্ডু হায়বা ইনাও অদুনা ধর্ম্মগী কর্ম্মতা তৌদুনা লৈরম্বনি, মহাক্না শাগে নাত্তে পুন্নমক্কী অহুগা থোইদোক হেন্দোক্লা ঐগী ইফমদা কাইদবা অচুম্বা লমচত্ত চৎখিবনি ॥৪৪॥ মহাকনা চাব থকপনাচিংবা পীক্ল পীক্লবা থবক বযাবুসু মরনাইগী ব্রাথম্না অমতা তৌরমদে, মতমলৈবাংখিবিক্তা ঐঙোন্দা হংলগা নিয়ম অমতদা লৈদুনা মমিংদা মানা নিংথৌ ওইরগা লৈবাক পুন্নমক ঐগী ঈথুক্তা শিন্নগে হায়দুনা অত্তংপা লৈতনা হাযজরম্বনি ॥৪৫॥ মহাক্কী মচা যুধিষ্ঠির হায়বা অসিসু অদুমঙাই, ধর্ম্মগী ব্রাথন্দা থনবনি মগুণ লৈবনি, লৈবাক্তা ফাউরবা অমদি প্রজানা সুংশিরবা মীশক অমা ওইরবনি ॥৪৬॥ অসিগুম্বা মওংদা লৈবা যুধিষ্ঠির মহাকপু করম্না ঐখোয়না মপানা থনম্বা কংফম থোকপা লৈবাক অসিদগী নমদুনা তাস্থোকদগে? অসিদি লায়রত্তুনা মহাক্তি হৌজিক মরন মথুম মকপ মপাংনা থম্না লৈরিবা মীশক অমানি ॥৪৭॥ পাণ্ডু হায়বা নিপা অদুনা মন্ত্রিশিং অমদি লান্মি মপেবু মতমলৈবখিবিক্তা য়োক থাকখিব্রনি মখোয়গী মচা মগুবুসু ভাকশেলখ্রবা নিপা অমনি ॥৪৮॥ অহুগী মতুংদা পাণ্ডুনা নগর অসিদা লৈরিবা মী পুন্নমকপুসু য়াম্না পেন্নবা তৌখ্রবনি; অমম তৌনা লৈরিবা মখোয় অসিনা যুধিষ্ঠিরগী দমক্তা শিগে হায়রকলোইদ্রা? ঐখোয় অসি মখোযনা হাত্তুনা মশিররগদবনি ॥৪৯॥ দুর্য্যোধননা হায়রকই— পাবুং! মাসি ঐনা হাম্না খংজত্তুনা, অসিগুম্বা থৌদোক অমা শোয়দনা থোক্লবা তারে হায়বসি মুম্না খল্লত্তুনা লন-থুম্না অমদি য়াম্না ইকায় খুম্নবা ফম্নাচিংবা পীথোক্তুনা প্রজা পুন্নমকপু পেন্নবা মতুং মতুংদা ঐনা তৌজরবনি ॥৫০॥ মরম অদুনা লৈবাক্কী অয়াম্বা মী পুন্নমক ঐখোয়গী

স ভবান্ পাণ্ডবানাশু বিবাসয়িতুমর্হতি। মৃদুনৈবাভ্যুপায়েন নগরং বারণাবতম্ ॥৫২॥
যদা প্রতিষ্ঠিতং রাজ্যং ময়ি রাজন্! ভবিষ্যতি। তদা কুন্তী সহাপত্যা পুনরেষ্যতি ভারত! ॥৫৩॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

দুর্য্যোধন! মমাপ্যেতদ্ধৃদি সম্পরিবর্ত্ততে। অভিপ্রায়স্য পাপত্বান্নৈতত্তু বিবৃণোম্যহম্ ॥৫৪॥
ন চ ভীষ্মো ন চ দ্রোণো ন চ ক্ষত্তা ন গৌতমঃ। বিবাস্যমানান্ কৌন্তেয়াননুমংস্যন্তি কর্হিচিৎ ॥৫৫॥
সমা হি কৌরবেয়াণাং বয়ং তে চৈব পুত্রক!। নৈতে বিষমমিচ্ছেয়ুর্ধর্ম্মযুক্তা মনস্বিনঃ ॥৫৬॥
তে বয়ং কৌরবেয়াণামেতেষাঞ্চ মহাত্মনাম্। কথং ন বধ্যতাং তাত! গচ্ছেম জগতস্তথা ॥৫৭॥

দুর্য্যোধন উবাচ।

মধ্যস্থঃ সততং ভীষ্মো দ্রোণপুত্রো ময়ি স্থিতঃ। যতঃ পুত্রস্ততো দ্রোণো ভবিতা নাত্র সংশয়ঃ ॥৫৮॥
কৃপঃ শারদ্বতশ্চৈব যত এতৌ ততো ভবেৎ। দ্রোণঞ্চ ভাগিনেয়ঞ্চ ন সন্ত্যক্ষ্যতি কর্হিচিৎ ॥৫৯॥
ক্ষত্তার্থবদ্ধস্ত্বস্মাকং প্রচ্ছন্নং সংযতঃ পরৈঃ। ন চৈকঃ স সমর্থোঽস্মান পাণ্ডবার্থে প্রবাধিতুম্ ॥৬০॥

মায়কৈদা লেপলরগদবনি। অদুগা মন্ত্রিশিংগা লোযনবা সনা, লুপা, কন থুম পুন্নমক হৌজিক্তি ঐখোয়গী খুত্তা লোইনা লৈরি ॥৫১॥ মরম অদুনা করিগুম্বা অথোৎপা উপায় অমনা হায়বদি মখোয়বু নম্মদনা তাম্থোকপা থোকহন্দবগী উপায় অমনা পাণ্ডবশিংবু বারনাবত কৌবা নগরদা থানবা তৌবিয়ু ॥৫২॥ মহারাজ! ঐগী ইকোকথক্তা লৈবাক অসি হেক থোংগৎপা মতমদা হায়বদি থাজৈশে.বা নিংথৌ হায়বদু হেক ওইবদা কুন্তীনা মচাশিংগা লোয়ননা হস্তিনাপুরা মরাইনা লাকচগনি ॥৫৩॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়খি—ঐগী পুক্নিংদসু মাদু তৌসিরা হায়দুনা হান্না থন্দুনা লৈরবনি অদুবু শীল্লিবা ফিরম অহ দোষ লৈবনি ফত্তবনি হায়দুনা হৌজিক ফাউবা হায়দোক্তিবনি ॥৫৪॥ অদুদা ভীষ্ম, বিদুর, মখোয়শিং অসিগী মনুংদা কনা অমত্তনা মখোয়বু তাম্থোকপদি য়ানিংলোই ॥৫৫॥ ইবুংঙো! হেক লৈরিবা কুরুবংশগী মী পুন্নমক্কী মফমদা, ঐখোয় হায়বা অমদি, পাণ্ডবগী মচাশিং হাযবসে চপ মান্ননা লৈরিবনি। মরম অদুনা ধর্ম্ম চেন্নবা অমদি শীংলবা কুরুবংশগী মী পুন্নমক্তা অসিগুম্বা মীচং মীথায় নাইনগী থবক অসি তৌ হায়বা থক য়ারোই ॥৫৬॥ মরম অদুনা অসিগুম্বা ভাব অসি হেক থংবদা পুকচেল চাউরবা কুরুবংশগী মীপুন্নমক্কী মফমদা, অসিদা নত্তনা জগৎকী মীপুন্নমক্কী মফমদা ঐখোয় অসি হাৎপদা মত্তিক চাবা ওইরোইদবসি কদায়দনো? ॥৫৭॥ দুর্য্যোধননা হায়খি—ইবুধৌ ভীষ্মদি মতমলৈবা খিবিক্তা লৈবিরিবনি, অমগীশু নত্তে অমগীসু নত্তে; অশ্বত্থামা হায়রা, ঐখোয়গী পক্ষদা লৈ; মরম অদুনা মচা অশ্বত্থামানা লেপ্পা মায়কৈদা মপা গুরু দ্রোণসু লৈবা শোয়দবনি, মাসিদা করিমত্তা চিংনফম লৈত্তে ॥৫৮॥ অদুগা দ্রোণগা অশ্বত্থামাগা য়াউবা মাযকৈ অদুদা কৃপাচার্য্য য়াউবা হায়বা অদুমা লৈবাক্তা খুদম্না থাবনি। করিনা হায়ববু কৃপাচার্য্যনা মচল সুপীবু লৌরিবা দ্রোণবু মন্দাক অশ্বত্থামাবু করিগুম্বা মতমদা থাদোকলোইদবনি ॥৫৯॥ অদুদা বিদুর অসিদি ঐখোয়গী ইচাক ইরন চাক্না লৈদি হায়বসু মনুং মনুংদা পাণ্ডবগী মীচং ওই, অদুবুদি মথন্তনা পাণ্ডবশিংগী দমক্তনি হায়দুনা ঐখোয়গী

সুবিগ্রব্ধঃ পাণ্ডুপুত্রান্ সহ মাত্রা প্রবাসয়। 　বারণাবতমদ্যৈব যথা যান্তি তথা কুরু ॥৬১॥
বিনিদ্রকরণং ঘোরং হৃদি শল্যমিবার্পিতম্। 　শোকপাবকমুদ্ভূতং কর্ম্মণৈতেন নাশয় ॥৬২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
দুর্য্যোধনপরামর্শো নাম ষট্ত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——.(০):——

ইথক্তা হৌরকপা অমদি ঐখোয়বু ওৎপদি কদায়দগী ঙমগদগে ॥৬০॥ মরম অতুনা করিমতা চিংনবা লৈতনা কুন্তীগা লোয়ননা পাণ্ডবশিংবু নগর অসিদগী তাম্থোক পীয়ু, ঙসিমক শোয়দনা বারনাবতদা চৎননবা শীনবিয়ু ॥৬১॥ ভুম্বা চংহন্দ্রবা অমসুং সুমিৎ চুপ্পা থমোইদা তাশোম্না থিনবগুম লৈরবা অকিবগী মশক ফংলবা সুংভাইতবগী মৈরি অসিবু হায়রিবা থৌশিন অসিত্তনা ঈশিং ওইহনা মুৎথৎপীরো ॥৬২॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংব সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা জতুগৃহগী মতাংদা দুর্য্যোধন পরামর্শ কৌবা চামা কুন্থ্রাতরুক শুবা অধ্যায লোযরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

("চাশং মৈথাব"গী মতুংদা দুর্য্যোধননা ৱা তান্নবা)
(চাম কুন্থ্রাতরেং শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততো দুর্য্যোধনো রাজা সর্বাস্ত প্রকৃতীঃ শনৈঃ। 　অর্থমানপ্রদানাভ্যাং সঞ্জহার সহানুজঃ ॥১॥
ধৃতরাষ্ট্রপ্রযুক্তাস্তে কেচিৎ কুশলমন্ত্রিণঃ। 　কথয়াঞ্চক্রিরে রম্যং নগরং বারণাবতম্ ॥২॥
অয়ং সমাজঃ সুমহান্ রমণীয়তমো ভুবি। 　উপস্থিতঃ পশুপতের্নগরে বারণাবতে ॥৩॥
সর্বরত্নসমাকীর্ণে পুংসাং দেশে মনোরমে। 　ইত্যেবং ধৃতরাষ্ট্রস্য বচনাচ্চক্রিরে কথাঃ ॥৪॥

বৈশমপায়ননা হায়থি—অদুগী মতুংদা দুর্য্যোধননা মনাওশিংগা লোয়ননা তিন্নদুনা, লন্না থুন্না মতিক চাবা সম্মান পীহনা প্রজা পুন্নমকপু মখা পোলহনখে ॥১॥ অসোমদা ধৃতরাষ্ট্রনা ৱাঙাংবা য়াম্না হৈবা, লৈশি লৈথোক্দুনা মীগী মতিক গুণ থাগৎপা য়াম্না হৈবা মন্ত্রীশিংবু পাণ্ডবশিংগী মমমদা বারনাবতগী ফজবা দৃশ্য অমদি মতিক মগুণনচিংবা বর্ণনা তৌহনখি ॥২॥ "বারনাবতনগর হায়বসে মনি-মুক্তা সনা লুপানা থল্লবা মফমনি নগর অসিগী মফম পুন্নমক পুক্নিং হুনবগী মশকনি, জগৎকী মপুংদা থোইনা নিংথিজরবা, মরাং কায়না তৌনরিবা মহাদেবগী উৎসবগীদমক্তা নগরগী মফম থুদিংদা

কথ্যমানে তথা রম্যে নগরে বারণাবতে। গমনে পাণ্ডুপুত্রাণাং জজ্ঞে তত্র মতির্নৃপ ! ॥৫॥
যদা ত্বমন্যত নৃপো জাতকৌতূহলা ইতি। উবাচৈতানথ তদা পাণ্ডবানম্বিকাসুতঃ ॥৬॥
মমৈতে পুরুষা নিত্যং কথয়ন্তি পুনঃ পুনঃ। রমণীয়তমং লোকে নগরং বারণাবতম্ ॥৭॥
তে তাতাঃ! যদি মন্যধ্বমুৎসবং বারণাবতে। সগণাঃ সানুযাত্রাশ্চ বিহরধ্বং যথাহমবাঃ ॥৮॥
ব্রাহ্মণেভ্যশ্চ বস্ত্রানি গায়নেভ্যশ্চ সর্ব্বশঃ। প্রযচ্ছধ্বং যথাকামং দেবা ইব সুবর্চ্চস ॥৯॥
কঞ্চিৎ কালং বিহৃত্যৈবমনুভূয় পরাং মুদম্। ইদং বৈ হাস্তিনপুরং সুখিনং পুনরেষ্যথ ॥১০॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ধৃতরাষ্ট্রস্য তং কামমনুবুধ্য যুধিষ্ঠির। আত্মনশ্চাসহায়ত্বং তথেতি প্রত্যুবাচ তম্ ॥১১॥
ততো ভীষ্মং শান্তনবং বিদুরঞ্চ মহামতিম্। দ্রোণঞ্চ বাহ্লিকঞ্চৈব সোমদত্তঞ্চ কৌরবম্ ॥১২॥
কৃপমাচার্য্যপুত্রঞ্চ ভূরিশ্রবসমেব চ। মান্যানন্যানমাত্যাংশ্চ ব্রাহ্মণাংশ্চ তপোধনান্ ॥১৩॥
পুরোহিতাংশ্চ পৌরাংশ্চ গান্ধারীঞ্চ যশস্বিনীম্। যুধিষ্ঠিরঃ শনৈর্দীন উবাচেদং বচস্তদা ॥১৪॥
রম্যে জনাকীর্ণে নগরে বারণাবতে। সগণাস্তত্র যাস্যামো ধৃতরাষ্ট্রস্য শাসনাৎ ॥১৫॥

মীয়াম মপৈ মপৈ খুন্দাদনা লৈনখ্রবনি" ধৃতরাষ্ট্রনা তাকপা অসিগুম্বা ব্বাহৈ কয়ানা মন্ত্রীশিংনা পাণ্ডবশিংগী মফমদা হায়খি ॥৩—৪॥ মহারাজ! নিংথিজরবা বারনাবতগী বর্ণনা লৈবগী অপাম্বা মীহৌবা পোকখ্রে ॥৫॥ নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রনা পাণ্ডবশিং অসি বারণাবতদা চৎনিংলে অমদি লৈনিংলে হায়রবসি খংলবা অদুদা পাণ্ডবশিংগী মফমদা হায়খি—মীপুম্মক্না সুমিৎ খুদিং ঐগী ইফমদা জগৎকী মনুংদা বারণাবত কৌবা নগর অসি থোইনা ফজবা মফমনি হায়না হন্ন হন্না থাগৎলৈ ॥৬—৭॥ অদুনা ইচাশা! নখোয়না করিগুম্বা লৈনিংবা চৎনিংবা লৈরবস্থ মরূপ মপাং ননাই নযন খিবিক্কা লোয়নবা গন্ধর্ব্বলোকতা দেবতাশিংনা হঙ্গৎ হন্দা কোয়চৎ চত্তুনা সুংঙাযনা লৈবা অদুগুম্না লৈকচো ॥৮॥ মশক মতৌ ফজরবা, মতিক মগুণ চাউরবা, দেবতাশিংগী মতৌগুম নখোয় পুম্নমকনা মফম অদুদা লৈত্তুনা ব্রাহ্মণ পণ্ডিতনচিংবগী মফমদা, কবি গায়কশিংগী মফমদা ননিংতমনা সন্না, লুপা মণি মুক্তা পুম্নমক য়েল্লচো অমদি দান তৌক ॥৯॥ মতৌ অসুমনা মতম খরদং মফম অদুদা সুংঙায়না লৈকরগা অমুক হন্না য়ৈখায় থিঙ্গায় লৈতনা হস্তিনাপুরদা অমুক লাক্কে হায়রবস্থ লাকউ ॥১০॥

বৈশমপায়ননা হায়খি—যুধিষ্ঠিরনা ধৃতরাষ্ট্রগী পুক্নিংদা খল্লিবা ভাব অদু মুম্না খংলদুনা অমদি য়াহৌত্রবদি ঐখোযগী মী লৈরোই হায়বসি দেশ-কাল মতুংইন্না মুম্না বিচার তৌরগা "যরে অদু মঙায়রে" অসুম হায়না পাউখুম পীখি ॥১১॥ অদুগী মতুংদা ভীষ্ম, বিদুর, দ্রোণাচার্য্য, অশ্বত্থামা, বাহ্লীক, সোমদত্ত, ভুরিশ্রবা অসিনচিংবা লৈবাক্কী গন্য-মান্য ওইবা মীপুম্নমক, মন্ত্রীশিং ব্রাহ্মণ ময়াম, মুনি ঋষি মপৈ, রাজ পুরোহিত, নগরদা লৈরিবা প্রজা পুম্নমক অমসুং গান্ধারীগী মফমদা চৎল চৎদুনা যুধিষ্ঠিরনা সুংঙায়তবা লাংতকনবা ব্বাহৈনা হায়রুই ॥১২—১৪॥

"মরূপ মপাং লোয়নবা চৎচবতারে ঐখোয়দি
ইপল নিংথৌগী য়াথংবু ইকোক থোংনা য়াহনা

প্রসন্নমনসঃ সর্ব্বে পুণ্যা বাচো বিমুঞ্চত। আশীর্ভির্বৃংহিতানস্মান্ ন পাপং প্রসহিষ্যতে ॥১৬॥
এবমুক্তাস্ত তে সর্ব্বে পাণ্ডুপুত্রেণ কৌরবাঃ। প্রসন্নবদনা ভূত্বা তেঽভ্যবর্ত্তন্ত পাণ্ডবান্ ॥১৭॥
স্বস্ত্যস্ত বঃ পথি সদা ভূতেভ্যশ্চৈব সর্বশঃ। মা চ বোঽস্ত্বশুভং কিঞ্চিৎ সর্বশঃ পাণ্ডুনন্দনা ॥১৮॥
ততঃ কৃতস্বস্ত্যয়না রাজ্যলম্ভায় পাণ্ডবাঃ। কৃত্বা সর্বাণি কার্য্যাণি প্রযযুর্বারণাবতম্ ॥১৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি জতুগৃহে
পাণ্ডববারণাবতযাত্রা নাম সপ্তত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায় ।.০॥

—:(*):—

পুক্লিং চন ফজরবা মীরাম মপৈ তারবা
বারণাবত কৌবা লমদমদা" ॥১৫॥

"পীনবিয়ু ময়াম্না সুংঙায়না থম্বাই হকচাং নিমক্ত্না
শেংলবা স্বাইনা পীবিয়ু মঙ্গল ওইনবা ঐখোয়গী
মমল য়াম্লবা আশীর্ব্বাদ। ময়াম্না পীবিবা বরনা
য়েখায় থিঙ্গায় লৈতনা লৈজকবা ঐখোয়দা
অম্বাব, খুদোংথিবা পাপনসু করিগুম্বদা চংব ঙমলরোই" ॥১৬॥

যুধিষ্ঠিরনা অসুম হায়রবদা ময়ামনা মাযথোং মকা লামনা ববদান—আশীর্ব্বাদ পীত্নুনা অসুম হায়না লৈশি লৈথোন্দুনা হায়খি ॥১৭॥

"ধর্ম্ম চেল্লবা পাণ্ডুগী মতিকচারবা মচাশা!
লৈরু লৈরুবা মকমদা নখোয়গী মঙ্গল ওইসনু,
জগৎকী করিগুম্ব মকমদা ফত্তবা অমঙ্গল হায়বদো
কদৌউেদসু লৈতব ওইসনু" ॥১৮॥

অতুগী তুংদা পাণ্ডবশিংনা লৈবাক ফংননবগীদমক্তা ব্রাহ্মনশিংবু মঙ্গল ওইনবা অনুষ্ঠানচিংবা পুম্ননমক তৌহল্লবা তুংদা বারণাবত তমনা যাত্র তৌখি ॥১৯॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতত্তা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা জতুগৃহগী মতাংদা পাণ্ডবসিংনাবারণাবত যাত্রা কৌবা চামগা কুন্থ্রাতরেৎ শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

("চাশং মৈ থানবা" পুরোচনদা য়াথং পিবা)

(চামা কুল্যানিপাল শুবা অধ্যায়)

—:(*).—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ধৃতরাষ্ট্রপ্রযুক্তেষু পাণ্ডুপুত্রেষু ভারত। দুর্যোধন পরং হর্ষমগমৎ স দুরাত্মবান্ ॥১॥
স পুরোচনমেকান্ত আনীয় ভরতর্ষভ!। গৃহীত্বা দক্ষিণে পাণৌ সচিবং বাক্যমব্রবীৎ ॥২॥
মমেয়ং বসুসম্পূর্ণা পুরোচন! বসুন্ধরা। যথেয়ং মম তদ্বত্তে স তাং রক্ষিতুমর্হসি ॥৩॥
নহি মে কশ্চিদন্যোঽস্তি বৈশ্বাসিকতরস্তথা। সহায়ো যেন সন্ধায় মন্ত্রয়েয়ং যথা ত্বয়া ॥৪॥
সংরক্ষ তাত! মন্ত্রঞ্চ সপত্নাংশ্চ মমোদ্ধর। নিপুণেনাভ্যুপায়েন যদ্ব্রবীমি তথা কুরু ॥৫॥
পাণ্ডবা ধৃতরাষ্ট্রেণ প্রেষিতা বারণাবতম্। উৎসবে বিহরিষ্যন্তি ধৃতরাষ্ট্রস্য শাসনাৎ ॥৬॥
স ত্বং রাসভযুক্তেন স্যন্দনেনাশুগামিনা। বারণাবতমদ্যৈব যথা যাসি তথা কুরু ॥৭॥
তত্র গত্বা চতুঃশালং গৃহং পরমসংবৃতম্। আয়ুধাগারমাশ্রিত্য কারয়েথা মহাধনম্ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—মহারাজ। ধৃতরাষ্ট্রগী য়াথং মতুংইন্না পাণ্ডবশিংনা মমাগা লোয়ননা বারনাবতদা চৎখ্রবদা ফজত্রবা দুর্যোধনগী থমোইদা থোইদোক্না নুংঙাইবা পোকখি ॥১॥ অচিকপা মফমদা পুরোচন কৌবা মন্ত্রী অমবু কৌশিন্দুনা য়েৎথংবা খুদাং পায়দুনা দুর্যোধননা মাঙোন্দা য়া অসি হায়খি— ॥২॥ পুরোচন। ঐখোয়গী লৈবাক অসে লন থুমনা থল্লবা লম অমনিদো, ঐখোয়গী লৈবাক অসে নখোয়গীসুনি। অদুনা নংসু নরৈবাক অসিবু ঙাক্লনবা তৌ ॥৩॥ নং নত্তনা লৈবাক অসিদা ঐগী থাজনিংঙাই অমত্ত লৈতে, নংগা য়াতান্নবতদা থবক অসি পাংগদৌরি, নংগা তান্নগদৌরিবা য়া অসি অতৈ অমগা তান্নবদি থবক থোকলোইদৌরি, অদুনা নংগা তান্নগে ॥৪॥ মরূপ। নংগা তৌনগদৌরিবা মন্ত্রনা অসে অনিস্নুবা নাকোং অমনা ত্তাব খ্যাবা নত্তে অদুগা করিগুবা অথুপ্পা অশিংবা পাম্বে অমনা য়েক্লবাশিংবু ককথৎনবা হোৎনহৌসি ॥৫॥ পাবুং মহারাজন পাণ্ডবশিংবু বারণাবতদা উচিল-নাচিন থাখ্রদো; মখোয়না মফম অদুদা ইপাগী য়াথং মতুংইন্না নুংঙাইনা নিংঙায়বা লৈতনা হরাউ তন্নান্না লৈগদৌরী ॥৬॥ অদুনা ঙসিংক য়াংলবা শগোলনাচীংবা রথ অমদা তোংলগা বারনাবত তান্ন চৎলো, মাসি তৌ শোয়বা য়াদে ॥৭॥ মংনা মফম অদুদা চৎলগা, মতিক চাবা মফম অমদা সুমিৎ থরাং লৈদ্রুনা য়েংবদা

শণসর্জরসাদীনি যানি দ্রব্যাণি কানিচিৎ । আগ্নেয়ান্যত সন্তীহ তানি তত্র প্রদাপয় ॥৯॥
সর্পিস্তৈলবসাভিশ্চ লাক্ষয়া চাপ্যনল্পয়া । মৃত্তিকাং মিশ্রয়িত্বা ত্বং লেপং কুড্যেষু দাপয় ॥ ১০ ॥
শণং তৈলং ঘৃতঞ্চৈব জতু দারূণি চৈব হি । তস্মিন্ বেশ্মণি সর্ব্বাণি নিক্ষিপেথাঃ সমন্ততঃ ॥ ১১ ॥
যথা চ তন্ন পশ্যেরন্ পরীক্ষন্তোঽপি পাণ্ডবাঃ । আগ্নেয়মিতি তৎ কার্য্যমপি চান্যেঽপি মানবাঃ ॥১২॥
বেশ্মন্যেবং কৃতে তত্র কৃত্বা তান্ পরমার্চ্চিতান্ । বাসয়েথাঃ পাণ্ডবেয়ান্ কুন্তীঞ্চ সসুহৃজ্জনাম্ ॥১৩॥
আসনানি চ দিব্যানি যানানি শয়নানি চ । বিধাতব্যানি পাণ্ডূনাং যথা তুষ্যেচ্চ মে পিতা ॥১৪॥
যথা চ তন্ন জানন্তি নগরে বারণাবতে । তথা সর্ব্বং বিধাতব্যং যাবৎ কালস্য পর্য্যয়ঃ ॥ ১৫ ॥
জ্ঞাত্বা চ তান্ সুবিশ্বস্তান্ শয়ানানকুতোভয়ান্ । অগ্নিস্ত্বয়া ততো দেয়ো দ্বারতস্তস্য বেশ্মনঃ ॥ ১৬ ॥
দহ্যমানে স্বকে গেহে দগ্ধা ইতি ততো জনাঃ । ন গর্হয়েয়ুরস্মান্ বৈ পাণ্ডবার্থায় কর্হিচিৎ ॥১৭॥
স তথেতি প্রতিজ্ঞায় কৌরবায় পুরোচনঃ । প্রায়াদ্রাসভযুক্তেন স্যন্দনেনাশুগামিনা ॥১৮॥

মিৎনাসি তথক তথকপা য়ুম অমতং শাকবা তারে। য়ুম অদুদা মণিমুক্তানচিংবা মরাং কায়না থমগনি, থুৎলাই শং লৈগনি অদুগা অকোয়বদা ফজরবা চেকপল লাংখোং লৈগনি ॥৮॥ লীমোল মেক্রুকনচিংবা মৈনম তাব য়াদবা জগস্ত হেক লৈরিবা পোৎচৈ পুম্নমকনা থিত্তুনা নৈহনা য়ুম অদু শাগদবনি ॥৯॥ অদুগী তুংদা ঘী, থাও, শা-মহাউ, চা অসিনচিংবনা থিত্তুনা ফক্লাং অকোয়বদু তৈগদবনি ॥১০। অদুগা য়ুম অদুগী মফম পুম্নমক্তা অমদি অকোয়বদা অল্বাং অল্বাংবা ৱাতুনা ফম্নবা কমফম পরেং পরেং শাতুনা থমগদবনি, মথোয় অদুগী মমুং-মমু‍ংদসু হুজিক হাযখিব্রা পোৎচৈশিং অহুতনা লোন্দুনা য়েৎতুনা শাগদোবনি, মচাকসু মৈনা হ্বাইগল্লবা তেরা, উচালনাচিংবনা শাগদোবনি ॥১১॥ পাণ্ডবশিংনা অমদি অথংবা অশিংবা-শিংমক্লসু পরীক্ষা তৌদুনা য়েংবদা খংবা ঙমদনবা অগুম তৌনা য়ুম অঞ শাগদোবনিদো ॥১২॥ অসিগুম্বা য়ুম অসি শাব লোইরবা তুংদা পাণ্ডবশিংবু অমদি মথোয়গী চান্নবা মরূপ মপাংগ লোয়নবা কুন্তীবুসু য়াম্না তরাম তরাম তৌদুনা অসিদা লৈবিয়ু অগুম হায়না কৌশিন্দুনা লৈহনগদোবনি ॥১৩॥ পাণ্ডবশিংগী দমক্তা শারিবা ফর ফরবা কমফম, রথ, দোলাই অমদি ফমুং ফাম্নং পুম্নমক অতৈনা অমদি পাবুং মহারাজনা য়েংবদা হেক পেন্নবা ওইবা অগুম তৌনা শাগদোবনি ॥১৪॥ মৈ চুগদোবা মুমিৎ অদু হেক লাক্তি, ফাউবা বারণাবতগী কনাগুম্বা কনাগুম্বী অমনা মমুংদা শিল্লিবা থবক অসি খংখিদনবা নংনা থবক পুম্নমক শিন্দুনা লৈগদোবনিদো ॥১৫॥ অসিগী তুংদা পাণ্ডবশিংনা মপুক্লিংদা চিংনবা নিংঙায়বা লৈতনা তুম হিপ চাহনা লৈখে, হায়বা খংলবা কান্দা নংনা নোংম তাঞ্জ; অফবা অমদা য়ুম অদুগী থোঙ্গানমক্তদা নক্লনা শারিবা নংমক্তী নয়ুম অদুদা মৈ চুগদোবনি ॥১৬॥ নংগী নক্লরবা য়ুম অদুমা মৈ চাক্লবা অদুদা পাণ্ডবশিংনা লৈরিবা মৈনম তাব য়াম্রবা য়ুম অদুসু মরাইন মৈরাক্তজয়রকনি, পাণ্ডবশিংসু মরাইন উৎ ওইনা চাকচখিগনি; অগুম তৌরবদি মী অতৈ অতৈমসু মথোয়না শিখিবগী মরিদা ঐখোয়দা থোইদোকপা চিংনবা অমদি মিন্দানচিংবা তৌথা য়ারবোই ॥১৭॥ "ফরে অদু মঙায়রে, মাতৃমক তৌজগে" অগুম হায়মা দুর্য্যোধনগী

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

("চাশং মৈ থানবা" পুরোচনদা য়াথং পিবা)

(চাম্‌া কুহ্‌ম্‌ানিপাল শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ধৃতরাষ্ট্রপ্রযুক্তেষু পাণ্ডুপুত্রেষু ভারত! । দুর্যোধনঃ পরং হর্ষমগমৎ স দুরাত্মবান্ ॥১॥
স পুরোচনমেকান্ত আনীয় ভরতর্ষভ!। গৃহীত্বা দক্ষিণে পাণৌ সচিবং বাক্যমব্রবীৎ ॥২॥
মমেয়ং বসুসম্পূর্ণা পুরোচন! বসুন্ধরা। যথেয়ং মম তদ্বত্তে স তাং রক্ষিতুমর্হসি ॥৩॥
নহি মে কশ্চিদন্যোঽস্তি বৈশ্বাসিকতরস্তথা। সহায়ো যেন সন্ধায় মন্ত্রয়েয়ং যথা ত্বয়া ॥৪॥
সংরক্ষ তাত! মন্ত্রঞ্চ সপত্নাংশ্চ মমোদ্ধর। নিপুণেনাভ্যুপায়েন যদ্ব্রবীমি তথা কুরু ॥৫॥
পাণ্ডবা ধৃতরাষ্ট্রেণ প্রেষিতা বারণাবতম্। উৎসবে বিহরিষ্যন্তি ধৃতরাষ্ট্রস্য শাসনাৎ ॥৬॥
স ত্বং রাসভযুক্তেন স্যন্দনেনাশুগামিনা। বারণাবতমদ্যৈব যথা যাসি তথা কুরু ॥৭॥
তত্র গত্বা চতুঃশালং গৃহং পরমসংবৃতম্। আয়ুধাগারমাশ্রিত্য কারয়েথা মহাধনম্ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—মহারাজ। ধৃতরাষ্ট্রগী য়াথং মতুংইন্না পাণ্ডবশিংনা মমাগা লোয়ননা বারনাবতদা চৎপ্রবদা ফত্রবা দুর্য্যোধনগী থমোইদা থোইদোক্না নুংঙাইবা পোকখি ॥১॥ অচিকপা মফমদা পুরোচন কৌবা মন্ত্রী অমবু কৌশিন্দুনা য়েৎথংবা খুদাং পায়দুনা দুর্য্যোধননা মাঙোন্দা ঙ্গা অসি হায়খি— ॥২॥ পুরোচন! ঐখোয়গী লৈবাক অসে লন থুমনা থল্লবা লম অমনিদো, ঐখোয়গী লৈবাক অসে নখোয়গীসুনি। অদুনা অম্মু নরৈবাক অসিবু ঙাক্লনবা তৌ ।৩। নং নত্তনা লৈবাক অসিদা ঐগী থাজনিংঙাই অমত লৈতে, নংগা ঋাতান্নববতদা থবক অসি পাংগদৌরি ; নংগা তান্নগদৌরিবা ঙ্গা অসি অতৈ অমগা তান্নরবদি থবক থোকলোইদৌরি, অদুনা নংগা তান্নগে ॥৪॥ মহ্নপ! নংগা তৌনগদৌরিবা মন্ত্রনা অসে অনিহুবা নাকোং অমনা ত্থাব য়াবা নত্তে অদুগা করিগুবা অথুপ্পা অশিংবা পাম্বৈ অমনা য়েক্কবাশিংবু কফথৎনবা হোৎনহৌসি ॥৫॥ পাবুং মহারাজন পাণ্ডবশিংবু বারণাবতদা উচিল-নাচিন থাগ্রদো ; মখোয়না মফম অদুদা ইপাগী য়াথং মতুংইন্না নুংঙাইনা নিংঙায়বা লৈতনা হরাউ ভয়গনা লৈগদৌরী ॥৬॥ অদুনা ঙসিমক য়াংলবা শগোলনাচৌংবা রথ অমদা তোংলগা বারনাবত তান্ন চৎলো, মাসি তৌ শোয়বা য়ারে ॥৭॥ নংনা মফম অহদা চৎলগা, মতিক চাবা মফম অমদা সুশিৎ থমং লৈদুনা য়েংবদা

শণসর্জ্জরসাদীনি যানি দ্রব্যাণি কানিচিৎ। আগ্নেয়ান্যুত সন্তীহ তানি তত্র প্রদাপয় ॥৯॥
সর্পিস্তৈলবসাভিশ্চ লাক্ষয়া চাপ্যনল্পয়া। মৃত্তিকাং মিশ্রয়িত্বা ত্বং লেপং কুড্যেষু দাপয় ॥১০॥
শণং তৈলং ঘৃতঞ্চৈব জতু দারূণি চৈব হি। তস্মিন্ বেশ্মনি সর্ব্বাণি নিক্ষিপেথাঃ সমন্ততঃ ॥১১॥
যথা চ তন্ন পশ্যেরন্ পরীক্ষন্তোঽপি পাণ্ডবাঃ। আগ্নেয়মিতি তৎ কার্য্যমপি চান্যেঽপি মানবাঃ ॥১২॥
বেশ্মন্যেবং কৃতে তত্র কৃত্বা তান্ পরমার্চ্চিতান্। বাসয়েথাঃ পাণ্ডবেয়ান্ কুন্তীঞ্চ সসুহৃজ্জনাম্ ॥১৩॥
আসনানি চ দিব্যানি যানানি শয়নানি চ। বিধাতব্যানি পাণ্ডূনাং যথা তুষ্যেচ্চ মে পিতা ॥১৪॥
যথা চ তন্ন জানন্তি নগরে বারণাবতে। তথা সর্ব্বং বিধাতব্যং যাবৎ কালস্য পর্য্যয়ঃ ॥১৫॥
জ্ঞাত্বা চ তান্ সুবিশ্বস্তান্ শয়ানানকুতোভয়ান্। অগ্নিস্ত্বয়া ততো দেয়ো দ্বারতস্তস্য বেশ্মনঃ ॥১৬॥
দহ্যমানে স্বকে গেহে দগ্ধা ইতি ততো জনাঃ। ন গর্হয়েয়ুরস্মান্ বৈ পাণ্ডবার্থায় কর্হিচিৎ ॥১৭॥
স তথেতি প্রতিজ্ঞায় কৌরবায় পুরোচনঃ। প্রায়াদ্রাসভযুক্তেন স্যন্দনেনাশুগামিনা ॥১৮॥

মিৎ-নাসি তথক তথকপা য়ুম অমতং শাকবা তারে। য়ুম অদুদা মণিমুক্তানচিংবা মরাং কায়না থমগনি, থুৎলাই শং লৈগনি অদুগা অকোয়বদা ফজরবা চেকপল লাংথোং লৈগনি ।।৮।। মীমোল মেক্রকনচিংবা মৈনম তাব য়াদবা অগত্ত হেক লৈরিবা পোৎচৈ পুম্নমকনা থিত্তুনা নৈহ্না য়ুম অদু শাগদবনি ।।৯।। অদুগী তুংদা ঘী, থাও, শা-মহাউ, চা অসিনচিংবনা থিত্তুনা ফক্লাং অকোয়বদু তৈগদবনি ।।১০। অদুগা য়ুম অদুগী মফম পুম্নমক্তা অমদি অকোয়বদা অন্বাং অন্বাংবা চাদুনা ফন্নবা কমকম পরেং পরেং শাদুনা থমগদবনি, মথোয় অদুগী মনুং-মন্নুংদসু হৃজিক হায়খিৎবা পোৎচৈশিং অদুডনা লোন্দুনা য়েৎতুনা শাগদৌবনি, মচাকসু মৈনা হাইগল্লবা তেরা, উচালনাচিংবনা শাগদৌবনি ।।১১॥ পাণ্ডবশিংনা অমদি অথংবা অশিংবা-শিংমক্নসু পরীক্ষা তৌদুনা য়েংবদা খংবা ঙমদনবা অগুম তৌনা য়ুম অদু শাগদৌবনিদো ।।১২।। অসিগুম্বা য়ুম অদি শাব লোইরবা তুংদা পাণ্ডবশিংবু অমদি মথোয়গী চান্নবা মরূপ মপাংগল লোয়ননা কুন্তীবুসু য়াম্না তরাম তরাম তৌদুনা অসিদা লৈবিয়ু অগুম হায়না কৌশিন্দুনা লৈহনগদৌবনি ॥১৩। পাণ্ডবশিংগী দমক্তা শারিবা ফর ফরবা কমকম, রথ, দোলাই অমদি ফমুং ফাম্বুং পুম্নমক অতৈনা অমদি পাবুং মহারাজনা য়েংবদা হেক পেল্লবা ওইবা অগুম তৌনা শাগদৌবনি ।।১৪।। মৈ চুগদৌবা সুমিৎ অদু হেক লাক্তি, ফাউবা বারণাবতগী কনাগুম্বা কনাগুম্বী অমনা মপুংদা শিল্লিবা থবক অসি খংখিদনবা নংনা থবক পুম্নমক শিন্দুনা লৈগদৌবনিদো ।।১৫।। অসিগী তুংদা পাণ্ডবশিংনা মপুক্লিংদা চিংনবা নিংতায়বা লৈতনা তুম হিপ চাহনা লৈখে হায়বা খংলবা কান্দা মংনা মোংম তাঙ্গ; অকবা অমদা য়ুম অদুগী থোঙ্গানমক্তদা নক্লনা শারিবা নংমকী মসুম অদুদা মৈ চুগদৌবনি ।।১৬।। নংগী নক্লরবা য়ুম অদুমা মৈ চাক্লবা অদুদা পাণ্ডবশিংনা লৈরিবা মৈনম তাব য়াত্রবা য়ুম অদুসু মরাইন মৈয়াউজয়কনি, পাণ্ডবশিংসু মরাইন উং ওইনা চাকচাখিগনি, অদুম তৌরবদি মী অতৈ অতৈনসু মথোয়না শিখিবগী মরিদা ঐবোয়দা থোইদোকপা চিংনবা অমদি নিন্দানচিংবা তৌবা য়াররোই ।।১৭।। "ফরে অদু-মতাংদা, মাচংখক তৌজগে" অগুম হায়রগা দুর্য্যোধনগী

স গত্বা ত্বরিতং রাজন্! দুর্য্যোধনমতে স্থিতঃ। যথোক্তং রাজপুত্রেণ সর্ব্বং চক্রে পুরোচনঃ ॥১৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

জতুগৃহে পুরোচনোপদেশো নামাষ্টত্রিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——০:(*):০——

মফমদা পুরোচন মন্ত্রীনা খাশকলয়গা য়াংলবা শগোলনচিংলবা রথ অমদা তোংলগা বারণাবত ত'য়া চৎখি ॥১৮॥ মহারাজ! থুন-য়াংনা চৎখিদুনা দুর্য্যোধনগী য়াথং মতুং ইন্না থবক পুম্নমক অহ পাংথোক্লবা হোৎনখি ॥১৯॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা চাশং মৈথাবগী মতাংদা পুরোচনোপদেশ কৌবা চামগাকুনস্ত্রানিপাল শুথা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——০:(*):০——

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

("চাশং মৈথাব"গী মতাংদা বারণবত তান্না চৎপা)

(চামা কুস্থ্রা মাপল শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

পাণ্ডবাস্তু রথান্ যুক্তা সদশ্বৈরনিলোপমৈঃ। আরোহমাণা ভীষ্মস্য পাদৌ জগৃহুরার্ত্তবৎ ॥১॥

রাজ্ঞশ্চ ধৃতরাষ্ট্রস্য দ্রোণস্য চ মহাত্মনঃ। অন্যেষাঞ্চৈব বৃদ্ধানাং কৃপস্য বিদুরস্য চ ॥২॥

এবং সর্ব্বান্ কুরূন্ বৃদ্ধানভিবাদ্য যতব্রতাঃ। সমালিঙ্গ্য সমানান্ বৈ বালৈশ্চাপ্যভিবাদিতাঃ ॥৩॥

সর্ব্বা মাতৃস্তথাপৃচ্ছ্য কৃত্বা চৈব প্রদক্ষিণম্। প্রকৃতীরপি সর্বাশ্চ প্রযযুর্বারণাবতম্ ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—পাণ্ডবশিংনা মুংশিংকী মাংথানা চেন্নগদবা শগোলনচি'বা রথদা কাখত্রি, তৈগী মমাংদা কান্নবগী মৈশানা থাংজমদ্রবা ওইদুনা ভীষ্ম, নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্র, পুকচেল চাউরবা দ্রোনাচার্য্য, বিদুর অমসুং অতৈ অতৈ কুরুগী অহল লম্মনশিংগী চরনদা চংলদুনা কোক নৈপাকখানা খুরুম্নখি ॥১—২॥ মতৌ অসুমনা কুরুবংশগী শাগৈ নাতৈ অহল লম্মন পুমনমক্তা মীপুম খিননা খুরুম-খা-জংদুনা, চহি মতাং মাননবশিংগা য়েৎ-ওই কোয়দুন', চহিদা হন্থবশিংনা খুরুম্বা অমসু অরামনা ওক্লুনা, মমা মহারাণীশিংদুবু য়েংওইননা কোয়দুনা, ময়ামদগী বিদায়গী য়াথং লৌদুনা তিল্লিবা প্রজাশিংগী মফমদগী চৎচরুখিগে হায়না য়াথং লৌদুনা বারণাবতগী মায়কৈ পাংথরে ॥৩—৪॥ মতম

বিদুরশ্চ মহাপ্রাজ্ঞস্তথান্যে কুরুপুঙ্গবাঃ । পৌরাশ্চ পুরুষব্যাঘ্রানন্বীয়ুঃ শোককর্ষিতাঃ ॥৫॥
তত্র কেচিদ্ব্রুবন্তি স্ম পৌরজানপদা নরাঃ । দীনান্ দৃষ্ট্বা পাণ্ডুসুতানতীব ভৃশদুঃখিতাঃ ॥৬॥
বিষমং পশ্যতে রাজা সর্ব্বথা স সুমন্দধীঃ । কৌরব্যো ধৃতরাষ্ট্রস্তু ন চ ধর্ম্মং প্রপশ্যতি ॥৭॥
নহি পাপমপাপাত্মা রোচয়িষ্যতি পাণ্ডবঃ । ভীমো বা বলিনাং শ্রেষ্ঠঃ কৌন্তেয়ো বা ধনঞ্জয়ঃ ॥৮॥
কুত এব মহাত্মানৌ মাদ্রীপুত্রৌ করিষ্যতঃ । তান্ রাজ্যং পিতৃতঃ প্রাপ্তান্ ধৃতরাষ্ট্রো ন মৃষ্যতে ॥৯॥
অধর্ম্ম্যমিদমত্যন্তং কথং ভীষ্মোঽনুমন্যতে । বিবাস্যমানানস্থানে নগরে যোঽভিমন্যতে ॥১০॥
পিতেব হি নৃপোঽস্মাকমভূচ্ছান্তনবঃ পুরা । বিচিত্রবীর্য্যো রাজর্ষিঃ পাণ্ডুশ্চ কুরুনন্দনঃ ॥১১॥
স তস্মিন্ পুরুষব্যাঘ্রে দেবভাবং গতে সতি । রাজপুত্রানিমান বালান্ ধৃতরাষ্ট্রো ন মৃষ্যতে ॥১২॥
বয়মেতদনিচ্ছন্তঃ সর্ব এব পুরোত্তমাৎ । গৃহান্ বিহায় গচ্ছামো যত্র গন্তা যুধিষ্ঠিরঃ ॥১৩॥
তাংস্তথাবাদিনঃ পৌরান্ দুঃখিতান্ দুঃখকর্ষিতঃ । উবাচ মনসা ধ্যাত্বা ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ ॥১৪॥

অতুদা থোইদোকনা শিংলবা ধর্ম্ম চেল্লবা বিদুরনা অমদি ভীষ্মনচিংবা কৌরবকী অথোই অথোইবা পুরবাসীশিংনা, অরাধনা থোইদোকনা লাংতকনরবা অশুম অথৌ পুমনমক্লা, পাণ্ডবশিংবু থাদোকপা ঙমদনা মখোয়গী মতুং ইন্না ইন্না লাকলমই ॥৫॥ মতম অতদা হস্তিনাপুরগী মীশিংনা অমদি নগরদা লৈবা মীশিংনা হস্তিনাপুরবু থাদোক্লগা চৎপদা মপুক্লিংদা মুংঙাইত্রবা পাণ্ডবশিংবু উবদা য়ামনা ৱানা অসুম হায়না হায়নখি ।৬॥ হিরম পুমনমক্তা মপুকচেল ফত্রবা ধৃতরাষ্ট্রনা মচাশিংবু অমদি মনাও নিপানা পোকপা মচাশিংবু চপমান্না উবিদে অমসুং ধর্ম্ম-অধর্ম্মগী মরমদা থোইদোক্না খল্লবা তৌদে ।৭॥ ধর্ম্ম চেল্লবা যুধিষ্ঠির, মপাঙ্গল কল্লবা ভীমসেন, মহৈ হৈরবা অর্জ্জুন, মখোয়শিং অসিবু ধৃতরাষ্ট্রনা শুকনুং মুংঙাইতে॥৮॥ অতুনদি পুকচেল চাউরবা নকুল সহদেববু উরগা করমনা ধৃতরাষ্ট্রনা মুংঙাগদৌরিংনো? হৈশিংলবা কর্ম্ম কায়ত্রবা পাণ্ডবশিংদা মপাগী লৈবাক ফংনবগী অধিকার শোয়দনা লৈখিবনি অদুবু অধিকার কদু লৈ হায়বসি খংলদুনা ধৃতরাষ্ট্রনা মাদুবু থাংদুনা লৈবা ঙমদবনি ॥৯॥ ভীষ্মনসু করমনা অসিগুম্বা ধর্ম্ম থোক্লবা থবক অসিবু তুমিন্না লৈদুনা করমনা যাখিবনো ? অদুগা পাণ্ডবশিংনা লৈবদা মতিক চাত্রবা বারণাবত কৌবা মফম অসিদা লোইথাবদা করিমত্তা খুমদানা মশানা য়াথুবনি ॥১০॥ অদুমক্তায়রে মরে, শান্তনু নিংথৌগী মচা নিংথৌ বিচিত্রবীর্য্য অদুগা রাজর্ষি ওইরবা পাণ্ডু হায়রিবা অনি অসিদি ঐখোয় পুমমনকী ইপাগী মতৌগুম লৈরম্বনি ॥১১॥ নিপালক্তুগী অথোইবা পাণ্ডু নিংথৌনা নোংগাথুবদা মহাক্কী মচাশিং থর অসিবু ধৃতরাষ্ট্রনা উরগা থাংদুনা লৈবা ঙমখিদরে ॥১২॥ হন্দক মখোয়বু লৈবাক অসিদগী তাদোক্লিবা মতাম্তোক অসি প্রজা ঐখোয় য়ানিংদে। অদুনা যুধিষ্ঠিরনা লৈকবা চারুবা মফম অদুদা ঐখোয় পুম্নমক্সু ঐগী ঐগী লৌরি ইংখোল থাদোক্লুনা লৈরুনি, চাকনি ॥১৩॥ অসুম হায়না প্রজাশিংনা ঙাংনরকপা অমদি মাগী মাগী পুক্লিংদা লৈরিবা হায়নিং হায়নিং হায়রবা পুমনমকসি মুংঙায়তনা হায়দোক্লরকপা মতম অসিদা ধারবা যুধিষ্ঠিরনা ধারবা প্রজাশিংদা অসুমনা হায়রকই ॥১৪॥

পিতা মাতা গুরুঃ শ্রেষ্ঠো যদাহ পৃথিবীপতিঃ । অশঙ্কমানৈস্তৎ কার্য্যমস্মাভিরিতি নো ব্রতম্ ॥১৫॥
ভবন্তঃ সুহৃদোঽস্মাকমস্মান্ কৃত্বা প্রদক্ষিণম্ । প্রতিনন্দ্য তথাশীর্ভির্নিবর্ত্তধ্বং যথা গৃহম্ ॥১৬॥
যদা তু কার্য্যমস্মাকং ভবদ্ভিরুপপৎস্যতে । তদা করিষ্যথাস্মাকং প্রিয়াণি চ হিতানি চ ॥১৭॥
এবমুক্তাস্ততঃ পৌরাঃ কৃত্বা চাপি প্রদক্ষিণম্ । আশীর্ভিশ্চাভিনন্দ্যৈতান্ জগ্মুর্নগরমেব হি ॥১৮॥
পৌরেষু বিনিবৃত্তেষু বিদুরঃ সর্বধর্ম্মবিৎ । বোধয়ন্ পাণ্ডবশ্রেষ্ঠমিদং বচনমব্রবীৎ ॥১৯॥
প্রাজ্ঞঃ প্রাজ্ঞপ্রলাপজ্ঞং প্রলাপজ্ঞমিদং বচঃ । প্রাজ্ঞঃ প্রাজ্ঞং, প্রলাপজ্ঞঃ প্রলাপজ্ঞং বচোঽব্রবীৎ ॥২০॥

ইপাশক্লবা ইপল নিংথৌ, ইকায় খুম্নবা মশকনি ঐখোয়গী গুরুনি ,
নিংথৌস্ সু ওইবা মহাকনা, তাকপিবা য়াথং পুম্নমদো, ইকোকথোকনা য়াগনি ।
পুকনিংদাচিংনব নৈস্তনা, ইশান য়ান তৌজনি । মাসিনি ঐখোয়গীব্রতদি, মাসিনি ঐখোয়গী ইথৌদি ।১৫।
তিনবিরিবা ময়াম পুম্নমক । ঐখোয়বু য়ারোবা তৌবিয় ,
ময়ামদি ঐখোয়গী মরুপনি, মুংশিবিত্তুনা তাকপিবনি ।
তোল্লবা ঐখোযবু— যেৎলোয়নবা, কোয়বিত্তুনা আশীর্বাদ তৌবিয় ।
থম্বাই মুংভায় মুংভায়না লৈফমদা হনবিখো ॥১৬॥
মতম তাঙ্গা লাকপদা নতেং পীফম থোকপগী, মতম ওইরে থংলগা,
ঐখোযবু চানবিবা মুংশিব, পীনিংবা নত্তেং পাংবিবো ॥১৭॥

যুধিষ্ঠিরনা অসুম হায়জরবা কান্দা পুবরাসীশিংনা য়েৎলোয়নবা কোযরমহনা বব আশীর্বাদ পীরমত্তুনা মথম্বাই মুংভায়না হস্তিনাপুররোমদা হন্নখি ॥১৮॥ পুরবাসীশিংনা হন্নখ্রবা তুংদা ধর্ম্ম পুমনমক্কী অকুপপা অমদি নীতি পুম্নমক্কী অথুপপা থংলবা বিদুরনা তুংদা থোক্লগদবা হিরম অতু খংহনা যুধিষ্ঠিরদা য়া খর হায়খি ॥১৯॥ করিনা হায়যবু বিদুর হায়বসি যামনা শিংবা, য়ামনা হৈবা মীশক অমনি, অশিংবা, অশিংবনা ওংনবা থংবা, ভাংনরিবা য়াকম অদুবুস্ মুম্না থংবা মহাকনা, অশিংবতনা খংগদবা, মাবু গুদবা য়াহৈনা অর্থ মপুংফানা পীরোইদবা মচেৎ তাবা শব্দনা লোকতা চৎনদব য়াভাংনা যুধিষ্ঠিরদা হায়খি (*) ॥২০॥

(*) টীকা :—ময়েক তাবা, ময়েক হেন্দোকপা, ময়েক শোয়বা খোনাথোক হানবা শন্না হায়বা য়াবদা কোইনা ভাবা, কোইনা ভাংগদবদা ময়েক অমা অনিভনা হায়দাকপা য়াঙ্গা অদুবু ম্লেচ্ছ ভাষা হায়না থৈ। অদুগুম্বা ভাষানা বিদুরনা যুধিষ্ঠিরদা হায়খি। মাদুদি :—"উপধেহি" হায়গদবদা "উপহি" অসুম হায়দাকপনা ময়েক তাবগী থুদমনি। "গো" হায়গদবদা গাবী, গোণী অসিনচিংবা হায়বনা ময়েক হেন্দাকপগী থুদমনি। "অরি" হায়গদবদা "অলি" হায়বা অসিনা ময়েক শায়বগী থুদমনি অমদি উচ্চারণ শোয়বগী থুদমনি। "থথান" হায়গদবদা "জশিং—লৈথোমদগী পোকপা লৈ" অসুম হায়বনা কোয়না ভাংবা হাংগনি। ভাংবনা অমা পুম্নবা অর্থনা অমা ওইনা হায়দোকপা কাব্য অমদি ব্যাকরণদা লক্ষনা ব্যঞ্জনা হায়না খংনবা থরম্ মকম মতম চাদনা শিজিন্নরবদি ম্লেচ্ছভাষাগুম থোকলৈ। বিদুরনা যুধিষ্ঠিরদা হায়খিবা য়াভাং অদু থাদৈশেবা পতঞ্জলিগী ম্লেচ্ছশব্দ হায়বা অদুমক নত্তুবসু হায়রিবা লক্ষনা-ব্যঞ্জনা অসি থোইনা শিজিন্নবা উবনা অতাদগী মাকোংদা পাথোকগুম তাথিবনা হায়দাকপদা পাপ পুগদবা উচ্চারণ লানবনচিংবা য়াওবা ম্লেচ্ছভাষা হায়বদুমক বিদুরনা করমনা হায়গদংগ হায়বা চিংনবা অসিমসু পাকই। টীকা পীবা মীশিংনা বেদ বিরোধী শব্দনি হায়রদুনা "ম্লেচ্ছ"

যো জানাতি পরপ্রজ্ঞাং নীতিশাস্ত্রানুসারিণীম্। বিজ্ঞায়েহ তথা কুর্য্যাদাপদং নিস্তরেদ্যথা ॥২১॥
অলোহং নিশিতং শস্ত্রং শরীরপরিকর্ত্তনম্। যো বেত্তি ন তু তং ঘ্নন্তি প্রতিঘাতবিদং দ্বিষঃ ॥২২॥
কক্ষঘ্নঃ শিশিরঘ্নশ্চ মহাকক্ষে বিলৌকসঃ। ন দহেদিতি চাত্মানং যো রক্ষতি স জীবতি ॥২৩॥
নাচক্ষুর্বেত্তি পন্থানং নাচক্ষুর্বিন্দতে দিশঃ। নাধৃতির্ভূতিমাপ্নোতি বুধ্যস্বৈবং প্রবোধিতঃ ॥২৪॥
অনাপ্তৈর্দত্তমাদত্তে নরঃ শস্ত্রমলোহজম্। শ্বাবিচ্ছরণমাসাদ্য প্রমুচ্যেত হুতাশনাৎ ॥২৫॥

নত্তবা নীতিগী অরানবা বুদ্ধিনা　　য়েকনবনা তৌরকপা থৌওংবু
মুন্ন কৃপ্না খল্লগা, অশিংব উপায়থিদুনা　　মাঙ্গদগী লাম্থোকনবা হোৎননি ॥২১॥
লান্দ শিজিন্নবা, যোৎনচিংবনা শারবা　　খুৎলাই নত্তবা কয়াম্, য়েকনবগী খুত্তা লৈবনি
খুৎলাইন থাবগী মফম্ অমনা উব ফংদবা　　খুদক্তা হকচাংবু উৎ ওইহনবা
খুৎলাই কয়াম্ লৈরিদো, অসি খংন চৎপনা,　　অন্নাবদগী লাম্থোকপা ঙম্মনি ॥২২॥
অকংবা বনবু কোইথি থিবা,　　অকংবাতবু হাৎকে তান্নবা,
অইংবগী য়েকনবা, উনবু উনব যাদবা,　　অহক কল্লবা মক্লাকনস্ন,
লৈক্রক কোমদা লৈরবা, অপীকপা উচিবু হাৎঙমদে　　অসি খংবা মীতনা মশামকপু কনজেদো
মহাকুনা হিংঙিদে, অসুম খংঙু যুধিষ্ঠির ॥২৩॥　　মিৎতাংবনা লম্বী খংদে, করম্বা মায়কৈ চৎলিখংদে,
খুদোংথিবা মতমদা, অফিংবা মীন হিংঙমদে।　　ঐনা তাকলিবসি অতুম মখংঙু,
চেকশিল্লু হৈযু যুধিষ্ঠির।　　খিত্তুং হায়রগা য়াম্না খংঙু ॥২৪॥
পাংদবা—হৌনব-খংদবা　　য়েক্রবনা থারকপা খুৎলাইদো,
যোৎনচিংবা ধাতুনা, থোইনবু শানদবনি　　'হুগুম্বা খু'লাইগী মৈশাবু
থাংবা তারবা মতমদা　　শবীনা লৈখুল তৌরগা
লৈথুশগী অতোপ্পা থোংলোমদা　　চেন্দুনা হিংখিবা অদুগুম

হায়বতনি। ঐথোয়না অসুম খনবদি—জটিলামক্তী মাংদা ফমহনা লৈরিবী রাধাদা ললিতানা ঐ কৈথেল কাগ-দৌরি, করি করি পোৎ তপকদগে হায়না হংলকপদা জটিলানা অর্থ পংদনবা অশিংবী লালিত্তানদি থংননবা ইফোং-ফোংনা হায় দারকপা অদুগুম্বা যাহৈ অত্ত বিচ্ছনা হায়খিবনি। মাগদি—করি লৈরকউগে হায়না হংবদা রাধানা জটিলা তান-তানা যাহৈ অসি হায়খি—"কেশবন্ধনমানীয়তাম" হায়বদি জটিলানা তাবদা শমকাবী অমা লৈবিরকউ হায়না খংত্তি। কৃষ্ণবু পুবিরকউ হায়বা অসিনি। ঐথোয়গী ইরোলদম্ শব্দাবী হায়দনা শমফাব নত্রগা শমফব মত্রগা শব্দানবা পুবিরকউ হায়দা হায়রবস্ কৃষ্ণগী অর্থ অদুমক তাহনবা য়াগনি। মরমদি শব্দনা হাংবস্ কৃষ্ণনি (কেশব) শব্দাব হায়বস্ গোপীশিংগী তুংলোমদা লাকতুনা থেগীনচিংবা লাকতুমচিংদুনা কাব-শায়বা কৃষ্ণ মাবু অদুমক খংনৈ। মাসি জটিলানা খক খংলুবা নত্তে। মৈ হায়রগদবা যোৎনদু শারবা পানবদা থাংকম টৈকম নাইরবা, পানবদা মিরুপ্তা উৎওইবা তুক্লবা য়েকনবগী খুৎলাই হায়বা বিচ্ছনা তাংলিবা যাওৎ অসি মৈযুনি হায়বা যুধিষ্ঠিরদা অদুমক খংহল্লি। অনিমকনা অধ্যায় অসিগী অহুংদা মুলদা ব্যাসনা ম্লেচ্ছ হায়বা শব্দ অসি পান্নবনি। ম্লেচ্ছ হায়বা অসিগী অর্থসি অশেং শমাং থায়রবা চাহৈব চাহৈলবা নাইরবা হায়-দোকপা যাব-যানবা থায়দনা করিগুম্বা পোৎশক অদুমনি। মায়দি—ম্লেচ্ছ তাতি, ম্লেচ্ছ শব্দ অসিনচিংবসিনি।

চরন্ মার্গান্ বিজানাতি নক্ষত্রৈর্বিন্দতে দিশঃ। আত্মনা চাত্মনঃ পঞ্চ পাড়য়ন্নানুপীড্যতে ॥২৬॥
এবমুক্তঃ প্রত্যুবাচ ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ। বিদুরং বিদুষাং শ্রেষ্ঠং জ্ঞাতমিত্যেব পাণ্ডবঃ ॥২৭॥
অনুশিষ্যানুগম্যৈতান্ কৃত্বা চৈব প্রদক্ষিণম্। পাণ্ডবানভ্যনুজ্ঞায় বিদুরঃ প্রযযৌ গৃহান্ ॥২৮॥
নিবৃত্তে বিদুরে চাপি ভীষ্মে পৌরজনে তথা। অজাতশত্রুমাসাদ্য কুন্তী বচনমব্রবীৎ ॥২৯॥
ক্ষত্তা যদব্রবীদ্বাক্যং জনমধ্যেঽব্রুবন্নিব। ত্বয়া চ স তথেত্যুক্তো জানীমো ন চ তদ্বয়ম্ ॥৩০॥
যদীদং শক্যমস্মাভির্জ্ঞাতুং ন চ সদোষবৎ। শ্রোতুমিচ্ছামি তৎ সর্ব্বং সংবাদং তব তস্য চ ॥৩১॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

গৃহাদগ্নিশ্চ বোদ্ধব্য ইতি মাং বিদুরোঽব্রবীৎ। পন্থাশ্চ বো নাবিদিতঃ কশ্চিৎ স্যাদিতি ধর্ম্মধীঃ ॥৩২॥
জিতেন্দ্রিয়শ্চ বসুধাং প্রাপ্স্যসীতি চ মেঽব্রবীৎ। বিজ্ঞাতমিতি তৎ সর্ব্বং প্রত্যুক্তো বিদুরো ময়া ॥৩৩॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

অষ্টমেঽহনি রোহিণ্যাং প্রয়াতাঃ ফাল্গুনস্য তে। বারণাবতমাসাদ্য দদৃশুর্নাগরং জনম্ ॥৩৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
জতুগৃহে বারণাবতগমনং নামোনচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায় ॥০॥

——:*:——

মৈমক্কগীসু হিংনবা হেৎনৈলো ॥২৫॥

মমলবা অহিংদা চৎপদা, মায়কৈ শলাই খংব্রবদা নোংথক্কা থৱানমিচাকপু উরগা ধ্রুবতারানচিংবনা, খা-নি অৱাংনি খংহুনা মায়কৈ চুৎনা লেপ্লগা যৌগদবা মকম তাগ্না চৎনৈ, নংগা থান তককন' লম্বীদা ৱাবা ফংলবসু অশিবগী মচিনদদি চংলরোই॥২৬॥ বিদুরনা অসুম হায়রবদা পাণ্ডুগী মচা যুধিষ্ঠিরনা জ্ঞানীশিংগী মমুংদা অথোইবা বিদুরদা "লোইনা ভাব তাজরে" অসুম হায়না খুমখি॥২৭॥ বিদুরনা অসুম পাউতাক পীন পীনা খর লাগুক্লা পাণ্ডবশিংবু তুংইন্না থিল্লগা য়েংলোইননা কোয়রমদুনা হস্তিনাপুরদা মমুম তাগ্না চৎখি ॥২৮॥ বিদুর, ভীষ্ম অমদি হস্তিনাপুরগী মীশিংনা হল্লখ্রবা তুংদা কুন্তীনা যুধিষ্ঠিরগী মফমদা চংশিন্দুনা লোন্না হায়খি ॥২৯॥ যুধিষ্ঠির! নখুড়াতোন বিদুরনা ময়ামগী মরক্তা হায়বা য়াদবগুম ৱাহৈ খর হায়রম্বা, মাদুবু নংনা তারগা লোইনা ভাব তাজরে হায়খিবা অদুদি ইমাখোয়দি ভাব তাদেনা ইবুংঙো! ॥৩০॥ ইমাখোয়নসু ভাব তাবদা অমদি খংবদা থোইনা অকায়বা নৈতে হায়না খল্লবদি নংগা বিদুরগা খাংখিবা খুমখিবা অদুগী অর্থসু ইমাখোয়সু খংনিংঙি ॥৩১॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়খি— "নখোয়না মৈগদোরিবা য়ুম অদু শোয়দনা মৈ হৌগনি অসুম হায়না খংঙু, অদুগা লম অদুগী লম্বী অমতসু নখোয়না খংদবা লৈতেলো। মৈরবম ঐনা তাকনি" অসুম হায়না ধর্ম্ম খংলবা খুড়াতোন্না তাকপিরমই ॥৩২॥ অসিমসু হায়বিরমই "ইন্দ্রিয় খুদুম চল্লগা মৈৰাক খুদুম চনবনি" মাদুগী পাউখুমসু "লোইনা ভাব তাজরে" হায়না ঐনা খুমখিবতনি ॥৩৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মহারাজ জনমেজয়! ফাইরেন থাগী নিপাননি পানবা রোহিনী নক্ষত্রদা পাণ্ডব মতানা বারণাবতদা য়ৌখিহনা মফম অদুগী নগরবাসীশিংগা উনখিনা তরাম তরাম ওক্ষি ॥৩৪॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেখবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা চাপং মৈথাবগী মতাংদা বারনাবতগমন কৌবা চাপ্তগা কুন্থ্রামাপল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——(০)——

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

(চাগী শংদা ভীমসেনগা যুধিষ্ঠিরগা ৱারি শান্নবা)

(চাম শিদ্রু শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ সর্বাঃ প্রকৃতয়ো নগরাদ্বারণাবতাৎ। সর্বমঙ্গলসংযুক্তা যথাশাস্ত্রমতন্দ্রিতাঃ ॥১॥

শ্রুত্বাগতান্ পাণ্ডুপুত্রান নানাযানৈঃ সহস্রশঃ। অভিজগ্মুর্নরশ্রেষ্ঠান শ্রুত্বৈব পরয়া মুদা ॥২॥

তে সমাসাদ্য কৌন্তেয়ান বারণাবতকা জনাঃ। কৃত্বা জয়াশিষঃ সর্ব্বে পরিবার্য্যাবতস্থিরে ॥৩॥

তৈর্বৃতঃ পুরুষব্যাঘ্রো ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ। বিবভৌ দেবসঙ্কাশো বজ্রপাণিরিবামরৈঃ ॥৪॥

সংকৃতাশ্চৈব পৌরৈস্তে পৌরান সংকৃত্য চানঘাঃ। অলঙ্কৃতং জনাকীর্ণং বিবিশুর্বারণাবতম্ ॥৫॥

তে প্রবিশ্য পুরীং বীরাস্তূর্ণং জগ্মুরথো গৃহান্। ব্রাহ্মণানাং মহীপাল! রতানাং স্বেষু কর্ম্মসু ॥৬॥

নগরাধিকৃতানাঞ্চ গৃহাণি রথিনা তদা। উপতস্থুর্নরশ্রেষ্ঠা বৈশ্যশূদ্রগৃহাণ্যপি ॥৭॥

অর্চ্চিতাশ্চ নরৈঃ পৌরৈঃ পাণ্ডবা ভরতর্ষভা। জগ্মুরাবসথং পশ্চাৎ পুরোচনপুরঃসরাঃ ॥৮॥

তেভ্যো ভক্ষ্যাণি পানানি শয়নানি শুভানি চ। আসনানি চ মুখ্যানি প্রদদৌ স পুরোচনঃ ॥৯॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগী তুংদা মীগী মন্থুংদা অথোইবা পাণ্ডবশিংনা লাক্লে হায়বদু তাবদা বারনাবতগী মী অয়াম্বনা শঙ্গোম অফম্বা, তিংথোনচিংবা মঙ্গলগী পোৎচৈ পুম্নমক শাস্ত্রগী নিয়ম মতুংইন্না থম্বাই হকচাং অমতা ওইনা শিল্লাংহনা যাম্না মুংঙাইনা মাগী মাগী শাদোং অমদি রথনচিংবদা তোংহনা পাণ্ডবশিংনা লাকপা মায়কৈদা ওক্কদোবগী থোবক্লে ॥১—২॥ বারনাবতদা লৈরিবা প্রজা পুম্নমক্না চংশিল্লকদুনা জয়ধ্বনি লাউর লাউরদুনা মাথোয় মযাম্বু আশীর্ব্বাদ তৌর তৌরদুনা ইকোয কোয়না লেপলরে ॥৩॥ মতম অদুদা দেবতাগা মান্নবা মতিক মগুণ চাউববা, মী অথোইবা অমাদি ধর্ম্ম চেন্নবা যুধিষ্ঠির অদু বারনাবতগী প্রজা পুমনমক্না ইকোয কোয়শিল্লবদা লাইয়াম থিবিক্না কোয়শিল্লবা দেব রাজ ইন্দ্রগী মতৌগুম্না থোইদোক্না নিংথিজখি ॥৪॥ অদুগী তুংদা পুরবাসীশিংনা তরাম তরামনা লৈশি লৈথোক্লবা পুরবাসীশিং অদু অমগা অমগা মুংঙাইনা নোকমিন লৈমিন্নহনা নিংথিজনা শেম শান্নবা মীতনা পুম্নথল থম্লবা বারনাবতগী নগর মনুংদা চংখে ॥৫॥ মপাঙ্গল কল্লবা, মতিক মগুণ চাউরবা পাণ্ডবশিংনা হেক চংখিবগা মথোয়গী নোনলুকপা ব্যবহারশিং অদু উৎনিংবনা যজ্ঞনাচিংবা মাগী মাগী কর্ম্মদা পুক্নিং চংহনা লৈরিবা ব্রাহ্মণশিংগী লৈকমদা চংখি ॥৬॥ অদুগী মতুংদা নগরগী মনুংদা অকনবা অথৌ ওইনা ভাক শেন্দুনা লৈরিবা ক্ষত্রিয়শিংগী, অদুগী মথংদা বৈশ্যশিংগী থম্বাইগী তুংদা শূদ্রশিংগী অমুম মনুংদা চংদুনা মথোয় ময়ামগা উনখি ॥৭॥ মতৌ অসুম্না পুরবাসীশিংনা ইকাই

তত্র তে সৎকৃতাস্তেন সুমহার্হপরিচ্ছদাঃ । উপাস্যমানাঃ পুরুষৈরূষুঃ পুরনিবাসিনঃ ॥১০॥
দশরাত্রোষিতানান্তু তত্র তেষাং পুরোচনঃ । নিবেদয়ামাস গৃহং শিবাখ্যমশিবং তদা ॥১১॥
তত্র তে পুরুষব্যাঘ্রা বিবিশুঃ সপরিচ্ছদাঃ । পুরোচনস্য বচনাৎ কৈলাসমিব গুহ্যকাঃ ॥১২॥
তচ্চাগারমভিপ্রেক্ষ্য সর্ব্বধর্ম্মভৃতাং বরঃ । উবাচাগ্নেয়মিত্যেবং ভীমসেনং যুধিষ্ঠিরঃ ॥১৩॥
জিঘ্রন্ সোহস্য বসাগন্ধং সর্পির্জতুবিমিশ্রিতম্ । কৃতং হি ব্যক্তমাগ্নেয়মিদং বেশ্ম পরন্তপ ! ॥১৪॥
শণসর্জ্জরসং ব্যক্তমানীয় গৃহকর্ম্মণি । মুঞ্জবল্বজবংশাদি দ্রব্যং সর্ব্বং ঘৃতোক্ষিতম্ ॥১৫॥
শিল্পিভিঃ সুকৃতং হ্যাপ্তৈর্বিনীতৈর্বেশ্মকর্ম্মণি বিশ্বস্তং মামযং পাপো দগ্ধুকামঃ পুরোচনঃ ॥১৬॥
তথাহি বর্ত্ততে মন্দঃ সুযোধনবশে স্থিতঃ । ইমান্তু তাং মহাবুদ্ধির্বিদুরো দৃষ্টবান্ তদা ॥১৭॥
আপদং তেন মাং পার্থ ! স সংবোধিতবান্ পুরা । তে বয়ং বোধিতাস্তেন নিত্যমস্মদ্ধিতৈষিণা ॥ ১৮।

থুন্নরবা ভরত বংশগী অথোইবা পাণ্ডবশিং অদুনা পুরোচননা মাংথাক্তনা মাংন ভাকনবা নিংথিজরবা য়ুম অদুদা চংখি ॥৮। অদুগী তুংদা য়ুম অদু য়েরবা মতমদা পুরোচননা পাণ্ডবশিংগী মফমদা মতিক চান্নবা, নিংথিজরবা, হিপ্পবা, চানবা, ফজ ফজরবা আসনবচিংবা পোৎচৈ পুমনমক লানশিনখি ।৯॥ য়ামনা নোল্লুকনা ৱাত্তনবা শিল্লাংলবা পুরোচননা তরাম তরাম তৌরিবা পাণ্ডবশিং অদুনা ফজ ফজরবা মমল য়াম্লবা যিজোন্না লৈতেংলবা পাণ্ডবশিংনা য়ুম অদুদা সুংঙাইনা লৈখি, সেবা লাংবা তৌবা মী পুমনমকনু মখোয়গী ৱাত্তনবা শিল্লাংদুনা সেবা তৌদুনা লৈখি ।।১০॥ মতৌ অসুমনা হুমিৎ তরানি চুপ্পা লৈরবা তুংদা পুরোচননা পাণ্ডবশিংগী মফমদা চংদুনা "শিবভবন" কৌবা (থাজেশেংবা মক্তি অশিবভবন হায়রবদি অমঙ্গলগী মশক ওইরব হায়রবনি) য়ুম অমা লৈননবা শাবা লোইরে, মাদুদা লৈননবা তৌরসি হায়না তাকহুরে ।।১১॥ যক্ষশিংনা কৈলাস চীংগী চীংখোংদা চংশিনখিবগুম মী অথোইবা পাণ্ডবশিংনা পূরোচননা তাকপা মতুং ইন্না য়ুমগী পোৎচৈ পুমনমক্তা লোয়ননা য়ুম অদুদা হোংজিনখি ॥১২॥ ধর্ম্ম থংলবা যুধিষ্ঠিরনা য়ুম অদু উবদা অমদি ঘী, চ', খোইরু, মেক্র, কনাচিংবা পোৎচৈশিংগা লোয়ননা তোংলবা শা-মহাউগী মনম ফংলদুনা ভীমদা হায়খি— ভীম ! য়ুম অসে মৈনম ফবা য়াদবা মচাক ভাক্তনা শারি, ঘী তৈরবা লিমোন, মেক্রুক, খোইরু, অমদি মসুংদা পোৎচৈশিং অসি হাপ্পিল্লবা, উ ৱাত্তনা মচাং ওইদুনা মপাম্থোংদা ইলং লংনা ফজনা উহন্দুনা শারিবনি হায়বসি ইশোয় শোয়নবনি ॥১৩—১৫॥ মসুংদা য়ামনা থাজনরবা অমসুং য়ুমকৈ শাবদা য়ামনা হৈ-শিংলবা খুৎশা হৈবাশিংনা শাখিবা য়ুমসে, ঐখোয়বু য়ুম অসিদা থাজবগা লোয়ননা মরৈরবদি কাল অমদা শাপ চেনবা, শীল লাংশিলনরিবা পুরোচন অসিনা ঐখোয়বু য়ুম মৈ থাক্তনা হাৎকে হায়না খল্লি ; করিনা হায়রবু পুরোচন হায়বা নিপা অসে য়ামনা পুকচেল পীকপা, মতমলৈবা খিবিক্তা দুর্যোধননা হায়বদা ইনদুনা লৈরিবা অমনি। অমরোমদা শীংলবা মীতেক মীরো থংলবা, ধর্ম চেন্নবা খুড়া ইবুংঙো বিদুরনা ঐখোয়গী ইথক্তা তারগদৌরিবা খুদোংথিবাসি হান্না থংশুরবনি, অদুনা ঐখোয়গী পুকনিং লৌশিং ওইননবা হায়দুনা ঐখোয়বু হংশিবিদনা অমঙ্গলগী মশক ওইরবা য়ুম অসিগী মরমদা অথুপ্পা হাইদে খরনা তাকপিখিবা অদুনিদো । অদুগা বিদুর হায়বা নিপা অসে ইপাগা লোক্তনিরবা খরাইগী অতোনবা

পিত্রা কনীয়সা স্নেহাদ্বুদ্ধিমত্তোঽশিবং গৃহম্। অনার্য্যোঃ সুকৃতং গূঢ়ৈর্দুর্য্যোধনবশানুগৈঃ ॥১৯॥

ভীমসেন উবাচ।

যদীদং গৃহমাগ্নেয়ং বিহিতং মন্যতে ভবান্। তত্রৈব সাধু গচ্ছামো যত্র পূর্ব্বোষিতা বয়ম্ ॥২০॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

ইহ যত্তৈর্নিরাকারৈর্বস্তব্যমিতি রোচয়ে। অপ্রমত্তৈর্বিচিন্বদ্ভির্গতিমিষ্টাং ধ্রুবামিতঃ ॥২১॥

যদি বিন্দেত চাকারমস্মাকং স পুরোচনঃ। ক্ষিপ্রকারী ততো ভূত্বা প্রসহ্যাপি দহেত নঃ ॥২২॥

নায়ং বিভেত্যুপক্রোশাদধর্ম্মাদ্বা পুরোচনঃ। তথাহি বর্ত্ততে মন্দঃ সুযোধনবশে স্থিতঃ ॥২৩॥

অপি চেহ প্রদগ্ধেষু ভীষ্মোঽস্মাসু পিতামহঃ। কোপং কুর্য্যাৎ কিমর্থং বা কৌরবান্ কোপয়ীত সঃ ॥২৪॥

অথবাপীহ দগ্ধেষু ভীষ্মোঽস্মাকং পিতামহঃ। ধর্ম্ম ইত্যেব কুপ্যেরন্ যে চান্যে কুরুপুঙ্গবা ॥২৫॥

বয়ন্তু যদি দাহস্য বিভ্যতঃ প্রদ্রবেমহি। স্পশৈর্নো ঘাতয়েৎ সর্ব্বান্ রাজ্যলুব্ধঃ সুযোধনঃ ॥২৬॥

অমম্নুং মতমলেবা খিবিক্তা ঐখোয়গী ফননবতা খল্লিবা মী অমনি। দুর্য্যোধনগী মখা পোন্দুনা লৈরিব, মপূকচেল পীরবা তোল্লবা মী থরনা মফম অসিদা লোন্না থুপ্না লৈহনা য়ুম অসে শাখি্রবনি ॥১৭—১৯॥ ভীমনা হায়খি— য়াম্বুনা য়ুম অসিবু মৈ চাকল্লবা পোৎচৈ মচাক্তনা শারিবনি হায়না নিংবিরবদি হায়গী লৈরম্বা য়ুম অদুদা চৎলসিদনা, মাহদা হেক লৈকরগা লোইরে ॥২০॥ যুধিষ্ঠিরনা ভীমদা হায়খি— ভীমসেন! ভাব তাও, ইশা ইশাবু কননবা চেকশিন্ন', মিৎনা শিংনা য়ুম অসিদা লৈন লৈনা ঐখোয়গী লৈরুফম অমদি চেনফম লম্বী খিন্না শুন্মরেবনা ফগদমাল্লে হায়না ইয়াম্বনা খল্লি ॥২১॥ করিনা হায়ববু পুরোচন হায়রিবা নিপা অসিনা ঐখোয়না অসিদা লৈরিবাসি যাম্না চিংননা লৈরে হায়বাসি হেক খংখিবদা থুন য়াংনা করিগুম্বা উপায় অমনা নমক্তনা ঐখোয়বু মৈদা থাদোকখিবা য়ানা লৈরি ॥২২॥ করিনা হায়ববু পুরোচন হায়বা নিপা অসে মীনা করি হায়খিগদগে হাযবসু অকিবা লৈতবা, পাপ অমদি অধর্ম্মবুসু কিদবা, অদুদগী হেন্দোক্তুনা পীরুবা তোল্লবা জীব অমনি, অদুগী মথক্তা দুর্য্যোধনগীবাগী মখা পোন্দুনা লৈরিবনি ॥২৩॥ অসিমসু হায়গে তাও, য়ুম অসিদা ঐখোয়না লৈন লৈনা তাপ্পা ন্নেংহনা ইশামক্তা মৈ থাদোকচরবদা, ইবুধৌ ভীষ্মনা ঐখোয়দা করিগী শাওগনি অদুগা কৌরবশিংবুসু করিগী শাওহল্লুগনি ॥২৪॥ অদু নত্রগা পুরোচন মশামক্তা য়ুম অসি মৈদা থাদোক্লবদা, মশাগী য়ুমবু থাদোকচবা মীগী মফমদা শাওনবা হায়বসি ধর্ম্ম অমনিনা ঐখোয়গী ইবুধৌ ভীষ্মনা অমদি কৌরবগী অথোই অথোইবা মীশিংনা দুর্য্যোধনগী মথক্তা শাওরোইদবসি কদাযদনো ॥২৫॥ (*)

অদুগা ঐখোয়না করিগুম্বা কিহনা য়ুম অসি থাদোক্তুনা চেল্লবদি লৈবাক পাম্বা মিহোৎনবা দুর্য্যোধননা শোয়দনা ঐখোয়বু লম্বীদা তাম্নহনা হাংথিগদৌবা মঙ্গরে। (ঐখোযবু হাংপদনা মহাক্তী

(*) টীকাঃ— মাসিগী ভাবতি, ইশা ইশা হিংনবা য়ুম অসিবু ঐখোয়না ইশামক্তা থাদোকচরবদি থাননবা শাবা যুমসু ওইহনা ভীমনাচিংবনা থোইনা শাওফম থোক্ত। "আত্মানং সততংরক্ষেৎ" হায়বা শাস্ত্রগী প্রমাণ লৈ। দ্বিতীয় পৎস্নমক্তা তৌওবদবা থবক পৎস্নমক তৌহনা ইশাবু কনগদৌবনি ওাক্তদাবনি। ধর্ম্ম অসিবু কনানসু শাওফম থোক্তে। অদুগা অতোপ্পা অমাবু হাংননবা মশাগী য়ুমবু মৈদা থাদোকচরবদি ধরগৎনা মাবু শাওবা হোনশানি। অমানবা মীবু ঐখোয়মক্তা লোম পীরুবসু, লগৎনা মরাইনা পীরুরকপা অসি যুধিষ্ঠিরগী ধর্ম্ম নীতি অমনি।

অপদস্থান পাদে তিষ্ঠন্নপক্কান্ পক্কসংস্থিতঃ। ভীনৈব্যাণান মহাকোষঃ প্রাগৈর্যাতয়েদ্রুবম্ ॥২৭॥
তদস্মাভিরিমং পাপং তঞ্চ পাপং সুযোধনম্। বঞ্চয়দ্ভির্নিবস্তব্যং ছন্নাবাসং কচিৎ কচিৎ ॥২৮॥
তে বয়ং মৃগয়াশীলাশ্চরাম বসুধামিমাম্। তথা নো বিদিতা মার্গা ভবিষ্যন্তি পলায়তাম ॥২৯॥
ভৌমঞ্চ বিলমদ্যৈব করবাম সুসংবৃতম্। গূঢ়শ্বাসান ন নস্তত্র হুতাশঃ সম্প্রধক্ষ্যতি ॥৩০॥
বসতোঽত্র যথা চাস্মান্ ন বুধ্যেত পুরোচনঃ। পৌরো বাপি জনঃ কশ্চিত্তথা কার্য্যমতন্দ্রিতৈঃ ॥৩১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি জতুগৃহে
ভীমসেনযুধিষ্ঠিরসংবাদো নাম চত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(০):——

প্রধান উদ্দেশ্যনি ; হাৎনবা উপাযশিং অতুগী মন্থুংদা য়ুমমৈ থাব হাযবা অসিস্থ শরুক অমনি। ঐখোয়না লৈননবা য়ুম নত্তে, ঐখোযবু হাৎননবা য়ুমনি, ঐখোয়বু হাৎননবা উপায়শিং অতুগী মন্থুংদা য়ুম অসিনা মহৈ যানাখিব্রবস্থ, মৈনরা, ঈশিংনরা, মুংশিৎনরা করিগুম্বা অমনা ঐখোয়বু হাৎননবা থিবক্কদবা মরৈরে) ॥২৬॥ ভীম। মুন্না ভাব তাও, দুর্যোধননা লৈফম চান লৈরিবনিদে', অতুগা ঐখোযনা লৈফম লৈত্রিবনিদো, মখোযদি সহায উপাযনা থন্না লৈবি, ঐখোয়গীদি কনাংস্থ লৈতে, মখোয়না ইনাকথুনবা ঐখোয়না লাইবনা, মবম অত্তনা থুংলাইতনস্থ ঐখোয়বু ইরাই লাইনা হাৎথিবা য়ানা লৈরিবনি ॥২৭॥ মরম অহনা পাপ চেল্লবা পুরোচন অমদি পাপ চেল্লবা দুর্যোধন অনিবু নমথাক তৌদুনা য়ুম অসিদা লৈব শাশিন্নতুনা ভসিনা অমদা, হযেংনা অমদা অস্থমা লোন্না থুপ্না ঐখোয় য়ুম অসিদা হেক্রা লৈসি, মাতুনস্থ অচুম্বানক্লি ॥২৮॥ (*) য়ুম অসিদা লৈ হাযবতা থোকহল্লগা মুম্মিৎ চুপ্পা উমং রামংদা মৃগয়া চত্নুনা লৈথে রগা লোইবে, লমমিৎ তুমিৎ লোইনা খংদোক্কনি, চেল্লবা থুপ্নবা লম্বী লম পুমনমক হান্ন খংদোক্কদবনি ॥২৯॥ অতুনা ভসিমক য়ুম অসিদা লৈথুল অমা তৌসি মুংশাস্বর হঙ্গৎ হন্দা হোনতুনা ভস্পিন্না মুংগাইনা লৈবয়ানবা শেমসি, অতুম তৌরবাতদা মৈনা ঐখোয়বু চাকপা ভমলোই ॥৩০॥ শংকং অতুদা লৈবা মতমদা পুরোচনন্না অমদি কনাগুম্বা পুরবাসী অমত্তনা উথিবা খংথিবা লৈতনবা ঐখোযনা থবক অসি য়াম্না চেকশিন্না হোৎনগদবনি। ৩১॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংব সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা
চাগী শংদা ভীমসেন যুধিষ্ঠীর সংবাদ কৌবা চামা নিফু শুবা অধ্যায় লোযরে ॥০॥

——:(*):——

(*) টীকাঃ— অচুম্বনি হায়বদি "শঠে শাঠ্যং সমাচরেৎ" হায়যদি ঐথায়বু নমথাক তৌদুনা য়ুম অসিদা লৈহন্নবনি। ঐখোয়স্থ মাহাকপু নমথাক্তৌদুনা য়ুম অসিদা লৈবতাই। দুর্য্যোধননা হায়রিববু য়ুম অসিদা ঐখোয়বু নমথাক্তৌদুনা লৈষু হায়বতনি। মাসিস্থ অচুম্বা নীতি অমনি, নমথাক্তৌবগী মহৈদি নমথাক্তৌরিবা মশানা অদুম্নক মরুজবনি। অদূনা য়ুম অসিদা লৈনা-লৈনা য়ুম অসিদগী টশাবু কম্নবা হোৎনবনা আধ্যাত্মিক দৃষ্টিদস্থ অচুম্বনি। জীবাত্মা অসিবু মৈ, ঈশিংনচিবনা থল্লবা সংসারদগী কনগে হায়রবদি মৈ, ঈশি তনা শাস্নিবা হকচা.—য়ুম অসিদা লৈন-লৈনা কর্ম্ম তৌগদবনি।

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

(চাগী শ° মঙুংদা লৈবা)

(চাম নিফুমাথোই শুবা অধ্যায়)

—— (০) ——

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

বিদুরস্য সুহৃৎ কশ্চিৎ খনকঃ কুশলো নর । বিবিক্তে পাণ্ডবান রাজন্! ইদং বচনমব্রবীৎ ॥১॥
প্রহিতো বিদুরেণাস্মি খনকঃ কুশলো ভৃশম । পাণ্ডবানাং প্রিয়ং কার্যমিতি কিং করবাণি ব. ॥২॥
প্রচ্ছন্নং বিদুরেণোক্তং শ্রেয়স্ত্বমিতি পাণ্ডবান । প্রতিপাদয় বিশ্বাসাদিতি কিং করবাণি বঃ ॥৩॥
কৃষ্ণপক্ষে চতুর্দ্দশ্যাং রাত্রাবস্যাং পুরোচনঃ । ভবনস্য তব দ্বারি প্রদাস্যতি হুতাশনম্ । ৪॥
মাত্রা সহ প্রদগ্ধব্যাঃ পাণ্ডবাঃ পুরুষর্ষভা । ইতি ব্যবসিতং তস্য ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য দুর্ম্মতেঃ ॥৫॥
কিঞ্চিচ্চ বিদুরেণোক্তো ম্লেচ্ছবাচাঽসি পাণ্ডব ! । ত্বয়া চ তত্তথেত্যুক্তমেতদ্বিশ্বাসকারণম্ ॥৬॥
উবাচ তং সত্যধৃতিঃ কুন্তীপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ । অভিজানামি সৌম্য ! ত্বাং সুহৃদং বিদুরস্য বৈ ॥ ৭॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—মহারাজ ! অদুগী মতুংদা নোংমা বিদুরগী চাংনখ্রবা মকাপ কোম লৈখুল তৌবা হৈবা মিপা অমা লাকতুনা অতীকপা মফমদা পাণ্ডবশিংগী মফমদা হায়রে—পাণ্ডবশিংগী কাননবগীদমক্তা থবক অমত্তা তৌবচো হায়দুনা কোম লৈখুল তৌবা হৈরবা ঐ অসি বিদুরনা থারকপনি, করি করম্বা থবক তৌজরম্মু হায়বগে তাকপিয়ু ॥১—২॥ বিদুরনা অসিমসু ঐঙোন্দা হায়রকই—"নঙোন্দা পাণ্ডবশিংবু থাজহন্নগা মখোয়গী মঙ্গল ওইনবা থারকলিবনি হায়বসি মখোয়দা তুশিন্না হায়ক" অদুনা হৌজিক অসিগী চতুর্দ্দশীগী থেংলবা মম্লবা অহিংদা পুরোচননা মন্নামনা লৈরিবা যুম অসিগী চেম্থোকফম থোংলোমদগী হান্না মৈ চুগদোবি ॥৪॥ মরমদি পুরোচন অসিগী মফমদা মপুকচেল যত্রবা দুর্য্যোধনগী তমথিরবা যাথং অমা লৈরি, মাদুদি—"নংনা মমা কুন্তীগা লোয়ননা মীথোয় মীহেন্নবা পাণ্ডবশিং অদুবু যুম মৈ থাদুনা হাৎকদবনি" অসি ওইরে ॥৫॥ মহারাজ ! বিদুরনা ভীষ্মনচিংবা আর্য্যশিংনা খংঙোয়দবা অনার্য্যশিংত্তনা খংগদবা অনার্য্যভাষা হায়না খংনবা প্রকৃতি প্রত্যয়গী নিযম লৈতবা লোন্দা হায়খিবা অদুগা মহারাজনসু হায়রিবা লোন্দা অসিদা খংলে হায়না পাউথুম পীবিখিবা, অসুম হায়না বিদুরনা হায়খিবা, অসুম হায়না খুম্মীখিবা লোন্দা অদুমক ঐনা হায়জরিবা অসিনি, অসিমকনা ইবুংঙোথোয়না ঐঙোন্দা বিশ্বাস অদুমক তৌবিয়ো ॥ ॥ মতম অদুদা তপথরবা, মঙুংদা চেন্নিবা ইচেল পুন্নমক তক্কু তরুনা, উরগা যুধিষ্ঠিরনা কোম তৌবা হৈবা মিপা অদুদা হায়খি—পুকচেলশেংলবা ! ঐনা নহাকপু বিদুরদগী শেংলবা, থাজ-

শুচিমাপ্তং প্রিয়ঞ্চৈব সদা চ দৃঢ়ভক্তিকম্। ন বিদ্যতে কবেঃ কিঞ্চিদবিজ্ঞাতং প্রয়োজনম্ ॥৮॥
যথা তস্য তথা নস্ত্বং নির্বিশেষা বয়ং ত্বয়ি। ভবতশ্চ যথা তস্য পালয়াস্মান যথা কবিঃ ॥৯॥
ইদং শরণমাগ্নেয়ং মদর্থমিতি মে মতিঃ। পুরোচনেন বিহিতং ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য শাসনাৎ ॥১০॥
স পাপঃ কোষবাংশ্চৈব সসহায়শ্চ দুর্ম্মতিঃ। অস্মানপি চ পাপাত্মা নিত্যমেব প্রবাধতে ॥১১॥
স ভবান্ মোক্ষয়ত্বস্মান্ যত্নেনাস্মাদ্ধুতাশনাৎ। অস্মাস্বিহ হি দগ্ধেষু সকামঃ স্যাৎ সুযোধনঃ ॥১২॥
সমৃদ্ধমায়ুধাগারমিদং তস্য দুরাত্মনঃ। বপ্রান্তং নিষ্প্রতীকারমাশ্রিত্যেদং কৃতং মহৎ ॥১৩॥
ইদং তদশুভং নূনং তস্য কর্ম্ম চিকীর্ষিতম্। প্রাগেব বিদুরো বেদ তেনাস্মানন্ববোধয়ৎ ॥১৪॥
সেয়মাপদনুপ্রাপ্তা ক্ষত্তা যাং দৃষ্টবান্ পুরা। পুরোচনস্যাবিদিতানস্মাংস্ত্বং প্রতিমোচয় ॥১৫॥
স তথেতি প্রতিশ্রুত্য খনকো যত্নমাস্থিতঃ। পরিখামুৎকিরন্ নাম চকার সুমহদ্বিলম্ ॥১৬॥
চক্রে চ বেশ্মনস্তস্য মধ্যে নাতিমহদ্বিলম্। কপাটযুক্তমজ্ঞাতং সমং ভূম্যাশ্চ ভারত ॥১৭॥

নিংত্তায় ওইরবা সুংশিরবা, মহাক্কী মযমদা অযবা থবক্তা তোগে খল্লবা মরুপ অমনি হায়রসি ঐ থংজি, অদুগা বিদুরগী মফমদা অথুপ্পা—অরোনবা বিষয় অমতা থংজোয়দবা লৈতে হায়বা অসিমক্ত থংজি ॥৭—৮॥ মহাক্কা বিদুরগী ওইগনা লৈরিবা অদুগুম্না ঐখোয়গী নীংস্থ ওইদুনা লৈরিবনি, ঐখোয়স্থ নংগী নফমদা বিদুরগুম্না অমনি। মরম অদুনা ঐখোয় অসি বিদুরগী মফমদা তাক শেন-বিফম থোকনা লৈরিবসিগুম্না মহাক্কী নফমদস্থ লৈজরিবনি। মরম অম্না খুডা ইবুংঙো বিদুরনা তাকপিবা অদুগী মতুং ইন্না অদুম মতৌবিয়ু ॥৯॥ ঐখোয়না খংবা হায়বদু দুর্য্যোধনগী য়াথং মতু ইন্না য়ুম মৈ থাহনা ঐখোয়বু হাংনবগীদমক পুরোচন হায়বা অসিনা মৈনা চাকল্লবা পোৎমক্তনা য়ুম অমা শাদুনা থমলিবা অসিনি ॥১০॥ পাপকী পুকচেল চেল্লবা ফত্রবা দুর্য্যোধননা মরুন মথুম লৈ, খুৎ কল্লি হায়দুনা ঐখোয়বু মতম লৈবখিবিক্তা ওৎলিবা অসিনি ॥১১॥ নংনা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনদুনা ঐখোযবু মৈনুং অসিদগী কল্লু। ঐখোয়না অসিদা মৈনা চাকতুনা শিরবতদা দুর্য্যোধনগী মপুক্কিং থুংগদৌরিবনি ॥১২॥ পুরোচননা চেকপল অসিগী মনাক মক্তদা পুকচেল ফত্রবা দুর্য্যোধনগী অমনা চংবা ওমত্রবা য়াং চাউরবা খুৎলাইশং অমা শাদুনা লৈরিবসিনি, মাসিদা মখল মখা অয়াম্বা খুৎলাইনা থলনা লৈখ্রবনি ॥১৩॥ মরম অদুনা ঐখোয়গী মঙ্গল ওইদনবা থবক্তনা দুর্য্যোধনগী অপাম্বা ওইদুনা লৈরবনি, পুন্নমকসি বিদুরদি হান্না খংদুনা লৈরবনি; ঐখোয়দা খংহনবদি মতুংদনি ॥১৪॥ বিদুরনা খংথ্রবা ঐখোয়গী থোক্কদবা অত্থাবা থৌদোক অদু হৌজিক থোক্লগদৌরে। অদুন্না নহাক্না পুরোচন খংহন্দনা ঐখোয়বু লোম্না কল্লম্মু ॥১৫॥ "অরে তৌজগে" অদুম হায়রগা শুকুং তৌবা মিপা অদুনা পাণ্ডবশিংবু কনগে হায়দুনা মফি শেমগে, অদুগা থাজপাৎ ময়াদগী লৈপাক পেকপা হোনবা শাশিন্নরম্না শাংলবা লৈখুল অমা তৌখ্রে ॥১৬॥ অদুগা পাণ্ডবশিংনা লৈরিবা ইমুং অগুদা শুকং অমগা হুৎলে; শুকুং মচিন অদুগা মপান্দগী তৌরকলিবা লৈখুল অদুগা অমত্তা ওইনা শম্নরি, ইমুংদা লৈরিবা লৈখুল য়মাই অদু উবাকনা মেমশিন্নগা ইমুংগী লৈমায়গা চপমান্না

পুরোচনস্তথ্যাদেব ব্যাদধাৎ সংবৃতং মুখম্। স তত্র তু গৃহদ্বারি বসত্যশুভধীঃ সদা ॥১৮॥
তত্র তে সায়ুধাঃ সর্ব্বে বসন্তি স্ম ক্ষপাং নৃপ!। দিবা চরন্তি মৃগয়াং পাণ্ডবেয়া বনাদ্বনম্ ॥১৯॥
বিশ্বস্তবদবিশ্বস্তা বঞ্চয়ন্তঃ পুরোচনম্। অতুষ্টাস্তুষ্টবদ্রাজন্ ঊষুঃ পরমবিস্মিতাঃ ॥২০॥
ন চৈনানন্ববুধ্যন্ত নরা নগরবাসিনঃ। অন্যত্র বিদুরামাত্যাত্তস্মাৎ খনকসত্তমাৎ ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
জতুগৃহে জতুগৃহবাসে নামৈকচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(0)·—

অমনা থংদনবা লৈপাক শিন্দুনা লৈতেম মান্নহনখি ॥১৭॥ পুরোচননা থংখিগনি হায়বগী কিবনা শুকংগী মমাই অদু লৈতেম মান্নমা লৈপাক শীখিবনি মরমদি মপুকচেল ফত্রবা পুরোচননা অহিং সুংখিন্দা থোঙ্গান্দা ইরাং য়েংজুনা লৈরিবনি ॥১৮॥ মহারাজ! অসোমদা পাণ্ডবশিংস্থু খুজু খুৎলাই পুম্নমক্কা লোয়ননা ফিবম তৌজুনা লৈখুল অতুগী ময়া অতুবাইদা মনুংদা হাইফেৎ চংজুনা অহিং লেনবা হৌখি, অদগা অয়ুক সুংখিন্না মৃগয়া চত্তুনা হেক মরৈ ॥১৯॥ মপুক্লিংদা চিংনরবস্থু পাণ্ডবশিংনা চিংনবা লৈতনা অমম্বং সুংভাইত্রবস্থু ইমুং সুংভাইনা লৈবা শাশিন্নজুনা পুরোচনবু নমথাক তৌহনা মমিৎ মনাশিংনা য়ুম অন্দুদা লৈখি ॥২০॥ অথুপ্পা থবক অসি থংলিবা হায়ববু বিদুরগী মন্ত্রী লৈখুল তৌবা লৈরিবা অদু নত্তনা অতৈ কনা অমতা লৈরমদে ॥২১॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি-পর্ব্বদা চাগী শংগী মনুংদা জতুগৃহবাস কৌবা চামগা নিফুমাথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

(চাপং মৈ থাব)

(চামা নিফুনিথোইশুবা অধ্যায়)

——:(†):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তাংস্তু দৃষ্ট্বা সুমনসঃ পরিসংবৎসরোষিতান্। বিশ্বস্তানিব সংলক্ষ্য হর্ষং চক্রে পুরোচনঃ ॥১॥
পুরোচনে তথা হৃষ্টে কৌন্তেয়োঽথ যুধিষ্ঠিরঃ। ভীমসেনার্জ্জুনৌ চোভৌ যমৌ প্রোবাচ ধর্ম্মবিৎ ॥২॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— থা তরুক চুপ্পা লৈরক্কুনা য়ুম অদুদা নিংভাইব লৈতনা থাজবগা লোয়ননা লৈখ্রে, হায়বসি উবা পুরোচননা য়াম্না নুংভাইখি ॥১॥ পুরোচননা, য়াম্না নুংভাইনা লৈবদু

অস্মানয়ং সুবিশ্বস্তান্ বেত্তি পাপঃ পুরোচনঃ। বঞ্চিতোঽয়ং নৃশংসাত্মা কালং মন্যে পলায়নে ॥৩॥

আয়ুধাগারমাদীপ্য দগ্ধ্বা চৈব পুরোচনম্। ষটপ্রাণিনো নিধায়েহ দ্রবামোঽনভিলক্ষিতাঃ ॥৪॥

অথ দানাপদেশেন কুন্তী ব্রাহ্মণভোজনম্। চক্রে নিশি মহারাজ! আজগ্মুস্তত্র যোষিতঃ ॥৫॥

তা বিহৃত্য যথাকামং ভুক্ত্বা পীত্বা চ ভারত!। জগ্মুর্নিশি গৃহানেব সমনুজ্ঞাপ্য মাধবীম্ ॥৬॥

নিষাদী পঞ্চপুত্রা তু তস্মিন্ ভোজ্যে যদৃচ্ছয়া। অন্নার্থিনী সমভ্যাগাৎ সপুত্রা কালচোদিতা ॥৭॥

সা পীত্বা মদিরাং মত্তা সপুত্রা মদবিহ্বলা। সহ সর্ব্বৈঃ সুতৈ রাজন্! তস্মিন্নেব নিবেশনে ॥৮॥

সুষ্বাপ বিগতজ্ঞানা মৃতকল্পা নরাধিপ!। অথ প্রবাতে তুমুলে নিশি সুপ্তে জনে তদা ॥৯॥

তদুপাদীপয়দ্ভীমঃ শেতে যত্র পুরোচনঃ। ততো জতুগৃহদ্বারং দীপয়ামাস পাণ্ডবঃ ॥১০॥

সমন্ততো দদৌ পশ্চাদগ্নিং তত্র নিবেশনে। জ্ঞাত্বা তু তদ্গৃহং সর্ব্বমাদীপ্তং পাণ্ডুনন্দনাঃ ॥১১॥

সুরঙ্গাং বিবিশুস্তূর্ণং মাত্রা সার্দ্ধমরিন্দমাঃ। ততঃ প্রতাপঃ সুমহান্ শব্দশ্চৈব বিভাবসোঃ ॥১২॥

প্রাদুরাসীত্তদা তেন বুবুধে স জনব্রজঃ। তদবেক্ষ্য গৃহং দীপ্তমাহুঃ পৌরাঃ কৃশাননাঃ ॥১৩॥

পৌরা উচুঃ।

দুর্য্যোধনপ্রযুক্তেন পাপেনাকৃতবুদ্ধিনা। গৃহমাত্মবিনাশায় কারিতং দাহিতঞ্চ তৎ ॥১৪॥

উবদা ধর্ম্ম খংলবা যুধিষ্ঠিরনা ভীম, অর্জ্জুন, নকুল, সহদেবগী মফমদা হায়খি— পাপ চেন্নবা পুরোচন অসে মানা তৌবা থবক পুম্বদা ঐখোযবু মপুং ফানা মাঙোন্দা থাজদুনা নিংঙাইবা লৈতনা লৈখে, হায়না উব শারি, অপংবা তমখিরবা নিপা অসে ঐখোয়না নমথাক তৌদুনা থম্নবনি হায়বসি মহাক্কি খংদ্রি, অদুনা ইনাওশা। ঐখোযগী থুউ শেনবগী মতম অমদি চেম্নবা পৌরাং তৌবগী মতম ওইরক্রে হায়না ঐনা খল্লি ॥২—৩॥ পুরোচন হায়বা পাপী অসিবু থুংলাইশং অসিদা লৈহল্লগা মহাকতুম মৈ চুহনা হাংকল্লগা ঐখোয় তবক্লা কনান্না কনাসু উৎত্রিদৈ হেক্তা চেনখিসি ॥৪॥ অদুগী মতুংদা নোংমা দান তৌবগী মওংদা কুন্তীনা অহিংদা ব্রাহ্মণ খরবু চাক কৌহনা পীজখি, মাদুদা সুপী অতৈ অতৈস্ন য়াম্না য়াওখি ॥৫॥ মখোয়না চানিং চানিংবা চা থক্কদবা খর চা'রগা মাগী মাগী ময়ুমদা হল্লখি ॥৬॥ অসুম থোকউ হায়হনা তমখিনা কনাগুম্বী শাদানবগী সুপী অমস্থ মচা মঙাগা লোয়ননা মফম অদুদা উৎসব অদু চাব য়াওগে হায়হনা লাকলমই ॥৭॥ শাদানবগী সুপী অদো মচা মঙা অদুগা ময়াই কাবা অহাও অথুম মহীনচিংবা যাম্না থকচিল্লুবনা ঙাওখিদুনা জ্ঞান তাদনা অশিবগা পাংথক ওইনা য়ুম অদুগী কাচিন অমদা তাদুনা তুমহনা লৈথোকখে, মতম অদুদা অকনবা নুংশিৎ শিংলক্কুনা মী পুম্নমক তুমথুল হুম্বনা তুম্নখ্রবা মতমদা পুরোচননা মাগী য়ুমদা ফম্মুংদা কম্না তুমখ্রবা কান্দা ভীমনা মৈহুম অমা পায়হনা তুমিম্না হৌগৎলক্কুনা পুরোচনগী য়ুম অদুদা মৈ চুমরে; অদুগী তুংদা চাশং অদুগী শাইঙ্গিন থোং ময়া অদুদা মৈ থাই হল্লমখে ॥৮—১০॥ অদুগী তুংদা য়ুমগী মায়কৈ মরিমক্তগী মৈ হৌরক্রে; য়ুম অদু চাকশিল্লক্রে হাযবদু উবদা পাণ্ডবশিংনা মমা কুন্তীগা লোয়ননা থুন য়াংন সুরুং অদুদা চংশিনখ্রে। মৈ অদুনা কল্লবা মৈরিনা পুমজাল ভাম্না হৌরবা মৈরিনগা লোয়ননা চাকথৎলবা কান্দা বারণাবতগী পুরবাসী পুম্নমক হৌগৎনখি, পাণ্ডবশিংনা লৈবা শং অদু মুম্না চাকপাদু উবদা ময়াম্না ঙাংনখি ॥১১—১৩॥ দুর্য্যোধননা থারকপা মহা পাপী মপুক্কচেল

অহো ধিগ্ ধৃতরাষ্ট্রস্য বুদ্ধির্নাতিসমঞ্জসা। যঃ শুচীন্ পাণ্ডুদায়াদান্ দহয়ামাস শত্রুবৎ ॥১৫॥
দিষ্ট্যা ত্বিদানীং পাপাত্মা দগ্ধোঽয়মতিদুর্ম্মতিঃ। অনাগসঃ সুবিশ্বস্তান্ যো দদাহ নরোত্তমান্ ॥১৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবং তে বিলপন্তি স্ম বারণাবতকা জনাঃ। পরিবার্য্য গৃহং তচ্চ তস্থূ রাত্রৌ সমন্ততঃ ॥১৭॥
পাণ্ডবাশ্চাপি তে সর্বে সহ মাত্রা সুরক্ষিতাঃ। বিলেন তেন নির্গত্য জগ্মুর্দ্রুতমলক্ষিতাঃ ॥১৮॥
তেন নিদ্রোপরোধেন সাধ্বসেন চ পাণ্ডবাঃ। ন শেকুঃ সহসা গন্তুং সহ মাত্রা পরন্তপাঃ ॥১৯॥
ভীমসেনস্তু রাজেন্দ্র! ভীমবেগপরাক্রমঃ। জগাম ভ্রাতৄনাদায় সর্ব্বান্ মাতরমেব চ ॥২০॥
স্কন্ধমারোপ্য জননীং যমাবঙ্কেন বীর্য্যবান্। পার্থৌ গৃহীত্বা পাণিভ্যাং ভ্রাতরৌ স মহাবলঃ ॥২১॥
তরসা পাদপান্ ভঞ্জন্ মহীং পদ্ভ্যাং বিদারয়ন্। সংজগামাশু তেজস্বী বাতরংহা বৃকোদরঃ ॥২২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
জতুগৃহে জতুগৃহদাহো নাম দ্বিচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——॰:(॰):॰——

ফত্রবা পুরোচননা থাজবগা লোয়ননা নিংঙায়দনা লৈজরবা পাণ্ডবশিংবু হাৎকে হায়খনা য়ুম অসি থাদোকখ্রেদো, পাণ্ডবশিংসু লোইনা তুম্না চাকখ্রে ॥১৪॥ ওন্থোকপনিদা! তোনখ্রেদা ধৃতরাষ্ট্রগী পুকচেল! মহাক্কী মপুকচেল, বুদ্ধিবু প্রজ্ঞা কনান য়াব নত্তেদো। মরান লৈত্রবা পাণ্ডবশিংবু য়েক্লবগুম্না মৈ থাহুনা হাৎখ্রেদো ॥১৫॥ মপুকচেল ফত্রবা পাপী পুরোচন আসিসু মানা তৌবা কর্ম্মনা চাকপদা য়াওখ্রে, মহাকনা মরান লৈজত্রবা মাঙোন্দা থাজদনা নিংঙাইবা লৈতনা লৈজরবা পাণ্ডবশিংবু থাদোক্রম্রেদো ॥১৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মতৌ অসুম্না বারনাবতদা লৈরিবা মী পুম্নমকনা খোংঙ্গেল থোক্না কপ লাউর লাউরদুনা মায়কৈ মরিমক্তগী চেন্নরক্তুনা চাকলিবা মৈ অতুগী অকোয়বদা 'হায় হায়!' হায়দুনা তৌকম খংদনা লেপ্তুনা লৈনখি ॥১৭॥ অসোমদনা পাণ্ডবশিং অতুসু কুন্তীগা লোয়ননা করিমতা খোকপনবা লৈতনা সুরংগী লম্বী অদোমদা কাউদোকখিদুনা কনাস্থ কনাসু উদনা থুনা য়াংনা চেনখ্রে ॥১৮॥ অতুগা অহিং অতুমা ভুম্যক্তবনা অতুগা মীপাইনা চেন্নকপগনা ভীম নত্তনা পাণ্ডব অতৈ অতুগা মমা কুন্তীদি মখোং থাংবা থোরকত্রে ॥১৯॥ মহারাজ! অকিবগী মশক ফংনা য়াংনা চেন্নবা অমদি মপাঙ্গন কন্নবা ভীমসেননা মমাবু অমসুং মচিন মনাও মরিবু পমইনা পোতুনা চেন্নকলে ॥২০॥ মমা কুন্তীবুনা লেংবাক্ত নকুল সহদেব অনিবুনা নাকল নাম নামদা কোলহন্দুনা যুধিষ্ঠির অর্জ্জুন অনিবুনা মখুদাং অনিদা য়ালহলহুনা মপাঙ্গল থোইনা কন্নবা ভীমসেননা সুংশিংকী মমাং থানা চেন্নকপা অসিদা অথবনা মমাঙ্গো হৌরবা উ পাম্বী কয়া, মক্ত বুংনা তেক্তুনা তুহুনা লৈহৌই; মখোং অমুমুক থারকপদা লৈকল লৈতুম করা উকুল মরিক ওন্দুনা লৈহৌই, সুংশিংকী মমাং থাদ্রনা সুংশিংকুম য়াংলবা ভীমনা থুনা য়াংনা চেন্নত্রে ॥২১—২২॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামনা, লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা চাশং মৈথাবগী মতাঙ্গা জতুগৃহদাহ কৌবা চামগা নিফুমিথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(॰):——

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

("চানং মৈ থাক"গী অতাদা পাণ্ডবশিংগা লাক্কবা)

(চান্না লিখুহুমদোই শুব্বা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এতস্মিন্নেব কালে তু যথাসম্প্রত্যয়ং কবিঃ। বিদুরঃ প্রেষয়ামাস তদ্বনং পুরুষং শুচিম্ ॥১॥

আত্মনঃ পাণ্ডবানাঞ্চ বিশ্বাস্তং জ্ঞাতপূর্ব্বকম্। গঙ্গাসন্তরণার্থায় জ্ঞাতা ভিজ্ঞানবাকিম্ ॥২॥

স গত্বা তু যথোদ্দিষ্টং পাণ্ডবান্ দদৃশে বনে। জনন্যা সহ কৌরব্য! মপযানান্ নদীজলম্ ॥৩॥

বিদিতং তন্মহাবুদ্ধের্বিদুরস্য মহাত্মনঃ। ততস্তস্যাপি চারেণ চেষ্টিতং পাপচেতসঃ ॥৪॥

ততঃ স প্রেষিতো বিদ্বান্ বিদুরেণ নরস্তদা। পার্থান্ সন্দর্শয়ামাস মনোমারুতগামিনীম্ ॥৫॥

সর্ব্বাতসহাং নাবং যন্ত্রযুক্তাং পতাকিনীম্। শিবে ভাগীরথীতীরে নরৈর্বিশ্রম্ভিভিঃ কৃতাম্ ॥৬॥

ততঃ পুনরথোবাচ জ্ঞাপকং পূর্ব্বচোদিতম্। যুধিষ্ঠির! নিবোধেদ সংজ্ঞার্থং বচনং বধেঃ ॥৭॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—মতম অসিদা শিংলবা বিদুরনা মানা থল্লকপা ব্বাখল মতুংইন্না পাণ্ডবশিংনা গঙ্গা লান্দুনা চংখিনবা মখোয়না লাক্কদবা লম্বীদা বনগী মন্নুংদা ফাউহনা মরমচং কঞ্জরবা থাজবা য়াবা মীশক অমা থারকই, নিপাসি বিদুরগী অমদি পাণ্ডবশিংগী মফমদা থাজবা য়াবা মীশক্কি, খোকখিব্রা থৌদোকপুম্বা থংবা নিপানি অহগা বিদুরগী মফমদগী থাজবা য়াবা পাউ অমা পুরকখি ।।১—২।। নিপা অসিনা বিদুরনা তাক্লকপা মতুংইন্না বণ লোমদা লাকহুনা পাণ্ডবশিংগা উনখি, মখোয়না কুন্তীগা গঙ্গাদা কুমথহুনা কদায় ফাউবা থোংনা চংশিনবা য়াবগে হায়বহ্নু য়েংলমই ।।৩।। অসোমদা পাপ চেল্লবা দুর্য্যোধনগী অথুপ্পা মীনাইশিংনা পাণ্ডবশিংগী মফমদা তৌগদৌরিবা শীল্লিবা থৌরাং পুম্নমক বিদুরনা লোইনা খংদোকলমই ।।৪।। মরম অসিমক্তনা বিদুরনা হাল্লা মাংজোননা অশিংবা নিপা অমবু থারকলিবনি। নিপা অসিনা পাণ্ডবশিংগী মমাংদা পুক্লিং অমদি মুংশিংবকী মতৌগুম্না য়াংলবা, নোংলৈ অমদি ইথকনচিংবগুম্ব থাংবা ঙম্বা অমদি ফিরনগী, মতৌগুম ফিরু পাং তিংবা হেংনবা নাইদনা যন্ত্রনা মথন্তা পুবা হি অমা পাণ্ডবশিংগী মফমদা থিন্দুনা উহনখি, হি অসি শোম্নলোম্না লাকতুনা বিদুরগী থাজবা য়ারবা খুদশা হৈবো মী থবনা শাতুনা নমখিবনি ।।৫—৬।। অতুগী মতুংদা লাকইবা নিপা অসিনা থাজকম থোকপা অমাংবুগী থৌদোক য়ারি খরসু লৌখি—পাণ্ডবনা, মদুংদা অথোয়বা ঐ অসি বিদুরগী মীনি, মাদু খংনবা থাজনবা বিদুরমকী ব্বাহে অসি হায়জগে। মাহুদি অসিনি—

কক্ষঘ্নঃ শিশিরঘ্নশ্চ মহাকক্ষে বিলৌকসঃ। ন হন্তীত্যেবমাত্মানং যো রক্ষতি স জীবতি ॥৮॥
তেন মা প্রেষিতং বিদ্ধি বি[illegible] [illegible] বিদুরঃ সর্ব্বতোঽর্থবিৎ ॥৯॥
কর্ণং দুর্য্যোধনঞ্চৈব ভ্রাতৃভিঃ [illegible] [illegible] বিজেতাসি ন সংশয়ঃ ॥১০॥
ইয়ং বারিপথে যুক্তা নৌরপ্সু সুখগামিনী। মোচয়িষ্যতি বঃ সর্ব্বানস্মাদ্দেশান্ন সংশয় ॥১১॥
অথ তান্ ব্যথিতান্ দৃষ্ট্বা সহ মাত্রা নরোত্তমান্ [illegible] নাবমারোপ্য গঙ্গায়াং প্রস্থিতানব্রবীৎ পুনঃ ॥১২॥
বিদুরো মূর্দ্ধ্ন্যুপাঘ্রায় পরিষ্বজ্য বচো মুহুঃ। অরিষ্টং গচ্ছতাব্যগ্রাঃ পন্থানমিতি চাব্রবীৎ ॥১৩॥
ইত্যুক্ত্বা স তু তান্ বীরান্ পুমান্ বিদুরচোদিতঃ। তারয়ামাস রাজেন্দ্র গঙ্গাং নাবা নরর্ষভান্ ॥১৪॥
তারয়িত্বা ততো গঙ্গাং পারং প্রাপ্তাংশ্চ সর্ব্বশঃ। জয়াশিষঃ প্রযুজ্যাথ যথাগতমগাদ্ধি সঃ ॥১৫॥
পাণ্ডবাশ্চ মহাত্মানঃ প্রতিসন্দিশ্য বৈ কবেঃ। গঙ্গামুত্তীর্য্য বেগেন জগ্মুর্গূঢ়মলক্ষিতাঃ ॥১৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি জতুগৃহে
গঙ্গোত্তরণং নাম ত্রিচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(*):—

"অকুংবা বনবু কোইথিখিবা, অবংবতবু হাংকে তান্নবা,
অইংবগী য়েক্কবা, উনবু উনবা যাদবা অত্তুক কল্লবা মইাকনস্থ,
লৈক্রক কোমদ লৈরবা, কপীকপা উচিবু হাংগুমদে অসি খংবা মতম মশামকপু কনজোদো
মহাক্কনা হিংভিদো, অস্থম খংও যুধিষ্ঠির" ॥ [illegible] ॥

অতুগুম্বা বিদুরনা থাবকপা এ.নাঁ হায়বসি মসিমকনা খুদম ওইতুনা এঁবু পাজবিয়ু। অতুগা বিষয় পুম্নমক খংলবা বিদুরনা সিমস্থ এত্তোন্দা হাযরক্তই ॥৯॥ কুন্তীগী মচা যুধিষ্ঠির মচিম্মনাও থিবিক্কা লোয়ননা দুর্য্যোধনবু, কর্ণবু অমদি শকুনিবু লান্দা শোঁযদনা জয় ওইগনি" অস্থুন হায়না বিদুরনা হায়রকই ॥১০॥ [illegible] ॥১১॥ [illegible] ॥১২॥ [illegible] ॥১৩॥ [illegible] ॥১৪॥ [illegible] ॥১৫॥ [illegible]

[illegible] ॥১৬॥

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

("চাশং মৈথাবা" কৌবা মতাংদা পাণ্ডববনা বনদা চংখিবা)

(চামা নিফুমরি শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

অথ রাত্র্যাং ব্যতীতায়ামশেষো নাগরো জনঃ তত্রাজগাম ত্বরিতো দিদৃক্ষু: পাণ্ডুনন্দনান্ ।।১।।
নির্বাপয়ন্তো জ্বলনং তে জনা দদৃশুস্ততঃ । জাতুষং তদ্গৃহং দগ্ধমমাত্যঞ্চ পুরোচনম্ ।।২।।
নূনং দুর্য্যোধনেনেদং বিহিতং পাপকর্ম্মণা । পাণ্ডবানাং বিনাশায়েত্যেবং তে চুক্রুশুর্জনাঃ ।।৩।।
বিদিতে ধৃতরাষ্ট্রস্য ধার্ত্তরাষ্ট্রো ন সংশয়ঃ । দগ্ধবান্ পাণ্ডুদায়াদান্ ন হেনং প্রতিষিদ্ধবান্ ।।৪।।
নূনং শান্তনবোঽপীহ ন ধর্ম্মমনুবর্ত্ততে । দ্রোণশ্চ বিদুরশ্চৈব কৃপশ্চান্যে চ কৌরবাঃ ।।৫।।
তে বয়ং ধৃতরাষ্ট্রস্য প্রেষয়ামো দুরাত্মনঃ । সংবৃত্তস্তে পরং কামঃ পাণ্ডবান্ দগ্ধবানসি ।।৬।।
ততো ব্যপোহমানাস্তে পাণ্ডবার্থে হুতাশনম্ । নিষাদীং দদৃশুর্দগ্ধাং পঞ্চপুত্রামনাগসম্ ।।৭।।
খনকেন তু তেনৈব বেশ্ম শোধয়তা বিলম্ । পাংশুভিঃ পিহিতং তচ্চ পুরুষৈস্তৈর্ন লক্ষিতম্ ।।৮।।

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অতুগী মতুংদা অহিং অহ লেম্লবদা বারণাবতদা লৈবা মী পুম্নমক্না পাণ্ডুগী মচাশিং অহ কমদৌথ্রবগে হায়বহ য়েংগে হায়দুনা, চাকখি্রবা মফম অহদা লাক্ক্ুনা থুংলরে ।।১।। অদুগী তুংদা মৈ অহু মুৎথৎলগা চাগী য়ুম অহম্ অতুগা দুর্য্যোধনগী মন্ত্রী পুরোচন হায়বা অংম্ চাক্ক্ুনা উং ওইখি্রবা অহম্ মীরাম অহনা উখি ।।২।। অহদগী মখোয় ময়াম্না পাপ চেন্নবা দুর্য্যোধনতনা পাণ্ডবশিংবু মাংহনগে হায়দুনা তৌরিবা কর্ম্মনিসে হায়না অমগা অমগা নাপ চীক্না ঙাংনখি ।।৩।। ধৃতরাষ্ট্র মশামক খংন-খংনা মচা দুর্য্যোধননা তৌরিবা থবকনিসে, মাসিদা করিম্ চিংনফম লৈত্রবনি। মরমদি থবক অসি তৌব মতমদা ধৃতরাষ্ট্রনা খংন খংনা দুর্য্যোধনবু খামখিদে ।।৪।। শান্তনুগী মচা ভীষ্মম্ বিষয় অসিদা ধর্ম্মগী মতুংইন্না থবক তৌখিদ্রে হায়বা অসিম্ শোয়দ্রবনি; অদুগা দ্রোণ, কৃপ, বিদুর, অহগা অতোপ অতোপ্পা কৌরবশিংস্ থর্ম্মবু করিমতা খৌওইখিদ্রে ।।৫।। ফয়ে অহু মঙাইবে, ঐখোয়না ফত্রবা ধৃতরাষ্ট্রগী মফমদা "নহাক্কী তমথিরবা আশা অহু থুংলেনকে, পাণ্ডুগী মচাশিং মৈদা থাদোকপা ঙমলেদনা" অসুম হায়না পাউ তন্মুনবা দূত থাগনি ।।৬।। অদুগী তুংদা মখোয় পুম্নমক্না পাণ্ডবশিংগী মশা অহু থিগে হায়দুনা চাকখি্রবা তাম্থি মরক অদুদা হন হন্দুনা থিরকই— মরান লৈত্রবী শাদানবগী মুপী অহনা মচা মঙাগা লোয়ননা উং ওইনা চাক্ক্ুনা লৈরম্হু ংনরুরে ।।৭।। পাণ্ডবশিংনা হেক চেনখিবগা মুকং মুংপা নিপা অহনা মুকংগী মখায় অহু লৈপাক

ততস্তে জ্ঞাপয়ামাসুর্ধৃতরাষ্ট্রস্য নাগরঃ । পাণ্ডবানগ্নিনা দগ্ধানমাত্যঞ্চ পুরোচনম্ ॥৯॥
শ্রুত্বা তু ধৃতরাষ্ট্রস্তদ্রাজা সুমহদপ্রিয়ম্ । বিনাশং পাণ্ডুপুত্রাণাং বিললাপ সুদুঃখিতঃ ॥১০॥
অদ্য পাণ্ডুর্মৃতো রাজা মম ভ্রাতা মহাযশাঃ । তেষু বীরেষু দগ্ধেষু মাত্রা সহ বিশেষতঃ ॥১১॥
গচ্ছন্তু পুরুষাঃ শীঘ্রং নগরং বারণাবতম্ । সৎকারয়ন্তু তান্ বীর কুন্তিরাজসুতাঞ্চ তাম্ ॥১২॥
কারয়ন্তু চ কুল্যানি শুভ্রানি চ বৃহন্তি চ । যে চ তত্র মৃতাস্তেষাং সুহৃদো যান্তু তানপি ॥১৩॥
এবং গতে ময়া শক্যং যদ্যৎ কারয়িতুং হিতম্ । পাণ্ডবানাঞ্চ কুন্ত্যাশ্চ তৎ সর্ব্বং ক্রিয়তাং ধনৈঃ ॥১৪॥
সমেতাশ্চ ততঃ সর্বে ভীষ্মেণ সহ কৌরবাঃ । ধৃতরাষ্ট্রঃ সপুত্রশ্চ গঙ্গামভিমুখা যযুঃ ॥ ১৫ ॥
একবস্ত্রা নিরানন্দা নিরাভরণবেষ্টনাঃ । উদকং কর্ত্তুকামা বৈ পাণ্ডবানাং মহাত্মনাম্ । ১৬॥
এবং গত্বা ততশ্চক্রে জ্ঞাতিভিঃ পরিবারিতঃ । উদকং পাণ্ডুপুত্রাণাং ধৃতরাষ্ট্রোঽম্বিকাসুতঃ ॥১৭॥
রুরুদুঃ সহিতাঃ সর্বে ভৃশং শোকপরায়ণাঃ । হা যুধিষ্ঠির ! কৌরব্য ! হা ভীম ! ইতি চাপরে ॥১৮॥

শীদুনা হাল্লা শেমজিনহনা পমখ্রবনি, মরম অদুমক্তনা বারনাবতদা লৈরিবা মীশিংনা সুকং অদুবু উবা ফংখিদে ॥৮॥ অদুগী তুংদা মথোয় ময়াম্না পাণ্ডবশিংদি মৈনা চাক্কনা শিখ্রে, পুরোচন মন্ত্রীসু চাকপা য়াওখ্রে, তস্সুম হায়না ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌদা থংহনখি ॥৯॥ নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রনা পাণ্ডবশিংনা শিবগী, তাবদা থোইদোক্না সুংঙাইত্রবা পাউ, অদু তাবদা থমোই শোক্না বাহনা তেংথা নাওইনা কপখি ॥১০॥

সুংশিরবা, কল্লবা মথোয়না, মমাগী লোয়নন্না মৈপুংদা,
মথন্নাই থাখ্রবা অসিদা ঙসি কৌবা সুমিত্তগী
মিংচৎ চাওরবা ইনাওদো পাণ্ডু কৌবা মহাক্লো
মথোয় লৈবনা শিত্রি থনবদো থাঙ্গেশেংনা শিব হায়বদু ওইখ্রেদো" ॥১১॥ (*)

ধৃতরাষ্ট্রনা ময়ামদা হায়খি— ময়াম পুন্নমক ! বারণাবতদা চংপিয়ু, মফম অদু তাল্লা চৎলগা অকনবাশিং অদুগী অমদি মমা কুন্তীগী সংস্কার তৌনবা শাস্ত্রগী বিধি কাযদনা থবক পুন্নমক তৌবিয়ু ॥১২॥ ঐখোয়গী শাগেগী হৌনবী মতুং ইন্না মঙ্গলগী অমদি প্রেতগী কর্ম্ম পূন্নমক পাংথোকলু ; অদুগা অসি নত্তবা অতে অতে শিবদা য়াওখ্রিবশিং অদুগী শাগে নাতে মকাপ মপাংশিংসু চৎপদা য়াওবিয়ু ॥১৩॥ অসুম তৌরগা পাণ্ডবশিংগী অমদি কুন্তীগী মফমদা ঐখোয়গী তৌকম থোকপা অদু তৌরে হায়বা য়ানবা থবকশিং অদু পাংথোকপদা চংগদৌরিবা শেল পূন্নমক চংহল্লু ॥১৪॥ অদুগী তুংদা মচাশিংগা লোয়নন্না ধৃতরাষ্ট্র অমসুং ভীষ্মগা লোয়নন্না কুরু বংশগী অহল লমস পূন্নমক্না তিল্লদুনা ফিজেৎ লৈতেং কোয়েৎ টুপী পূন্নমক লৌথোক্কনা ফৈজোম ফীজী ইন্ন ইন্নদুনা আয়থোং লাংশিন্দুনা পুকচেল চাউরবা পাণ্ডবশিংগী দমক তর্পণ তৌরুগে হায়দুনা গঙ্গা পাংনা চৎনখি ॥১৫—১৬॥ অদুগী তুংদা অম্বিকাগী মচানিপা ধৃতরাষ্ট্রনা শাগে নাতে পূন্নমকনা ইকোয় কোয়শিন্দুনা গঙ্গা তাল্লা চৎখিহনা পাণ্ডবশিংগী দমক্তা তর্পণ তৌখি ॥১৭॥ মতম অদুদা থম্মোয় শোক্না বারবা মী পুন্নমক্না কপনরকলে। কনান হা যুধিষ্ঠির ! কনান হা ভীম ! কনান হা অর্জ্জুন ! অতোপ্পা কনান হা নকুল সহদেব

(*) টীকা :— মচানিপা লৈরিব মথৈ সংসার থাদোক্কনা চংখ্রব মপা অদা শিদবগী শিংদা চল্লি মচা হেক শিখিবদগী মপুং ফানা শিখিবা হায়বদু ওইখ্রে, হায়বা অর্থনি ॥

হা কান্তেনেতি । অপ্যন্তে হা যমাবিতি । চাপ রা । কুন্তীমার্ত্তাশ্চ শোচন্ত ভীমকং অক্রিয়ে জনাঃ ॥১৯॥
অন্যে পৌরজনাস্তে বয়স্যশোচন্ত পাণ্ডবান্ । বিদুরস্তল্পশ্চক্রে শোকং বেদ পরং হি সঃ ॥২০॥
পাণ্ডবাশ্চাপি নির্গত্য নগরাদ্বারণাবতাৎ । নদীং গঙ্গামনুপ্রাপ্তা মাতৃষষ্ঠা মহাবলাঃ ॥২১॥
দাশানাং ভুজবেগেন নদ্যাঃ স্রোতোজবেন চ । বায়ুনা চানুকূলেন তূর্ণং পারমবাপ্নুবন্ ॥২২॥
ততো নাবং পরিত্যজ্য প্রয়যুর্দক্ষিণাং দিশম্ । বিজ্ঞায় নিশি পন্থানং নক্ষত্রগণসূচিতম্ ॥২৩॥
যতমানা বনং রাজন্ গহনং প্রতিপেদিরে । ততঃ শ্রান্তাঃ পিপাসার্ত্তা নিদ্রান্ধাঃ পাণ্ডুনন্দনাঃ ।
পুনরূচুর্মহাবীর্য্যং ভীমসেনমিদং বচঃ ॥২৪॥
ইতঃ কষ্টতরং কিন্নু যদ্বয়ং গহনে বনে । দিশশ্চ ন বিজানীমো গন্তুঞ্চৈব ন শক্নুমঃ ॥২৫॥
তঞ্চ পাপং ন জানীমো যদি দগ্ধঃ পুরোচনঃ । কথং নু বিপ্রমুচ্যেম ভয়াদস্মাদলক্ষিতাঃ ॥২৬॥
পুনরস্মানুপাদায় তথৈব ব্রজ ভারত । ত্বং হি নো বলবানেক যথা সততগস্তথা ॥২৭॥
ইত্যুক্তো ধর্ম্মরাজেন ভীমসেনো মহাবলঃ । আদায় কুন্তীং ভ্রাতৄংশ্চ জগামাশু মহাবলঃ ॥২৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি জতুগৃহে
পাণ্ডববনপ্রবেশো নাম চতুশ্চত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥

—:*:—

হায়না কৌহনা কপনরকই । অতোপ্পা কনা কনাগুম্বনা থোইদোক্পা অম্বা লাংতক্পনা কুন্তীবু কৌহনা কপ্পা কপ্পা তপণ তৌরকই ॥১৯॥ অতোপ অতোপ্পা পূরবাসীশিংনা চপ মান্নবা পাণ্ডবাশিংগা দমক অৱাবা ফোংদোকনখি । বিদুরতদি মপান্থোংদা থর থর অৱাবু উৎলম্মি ; করিবা হায়বদু, মহাক্তদি চাশং মৈ চাকখ্রবা তুংদা থোকুখ্রিবা থৈদোক পুম্নমকস্তু লোইনা থংলম্মি ॥২০॥ অসোমদা, মপাঙ্গল লৈবা পাণ্ডবশিংনা মমামা লোয়ননা বারণাবতকী [illegible] গঙ্গা মপাল যৌখে ॥২১॥ মতম [illegible] মীশিংনা [illegible] পাঙ্গলনা, তুরেক ঈচেলগী পাঙ্গলনা অমসুং, [illegible] ওইননা [illegible] ॥২২॥

অদুগী তুংদা হি [illegible] থাদোকলদুনা, [illegible] প্রবাননিচাক [illegible] মাহুতনা লম্বী খুত্তুনা মথা মায়কৈ পায়না চৎখি ॥২৩॥ মহারাজ ! পাণ্ডবশিং অহুনা থুংযম অমতং ফংননবা শুরুবা বন অমদা থুংলরে । অদুগী তুংদা ৱারবা, চোকথরবা, অরাম থৌরাংলবা পাণ্ডবশিংনা ৱারবা তুর্মিন্নলকলদুনা ভীমসেনদা হায়রকই — অসিদগী হেন্না ৱাবা ওইথোকপগী অমমুক [illegible] ॥২৪॥ [illegible] পুরোচনা হায়বস্তু [illegible] চাকপদা [illegible] খংদে, অদুগা [illegible] ॥২৫॥ [illegible] চৎখিবা [illegible] অদুসু খংদ্রে ॥২৬॥ যুধিষ্ঠিরনা হায় — ভীম ! নহাক্না ঐখোয়বু পুককপা অদুগুম্বা অমুকন্দা অসিদগী পুদুনা চৎলু । করিবা হায়বদু ঐখোয়গী [illegible] নহাক্তনা ওইরিবা ইবুংঙো ॥২৭॥ যুধিষ্ঠিরনা অসুম হায়রবা মতমদা মপাঙ্গল [illegible] ভীমসেননা মমা কুন্তীবু অমসুং অচিনখানাওয়শিংবু পোম্বগা চাক্তনা পুনা খোংনা অমুক চৎখ্রে ॥২৮॥

মহাভারতকী শ্লোক সিংদা শ্রীব্যাসনা লৈখিবা সংহিতাগী আদি পর্ব্বদা চাংচং মৈথাবা, কৌবা মতাংদা পাণ্ডববনপ্রবেশ কৌবা [illegible] অধ্যায় লোইরে ॥ (*)

—:*:—

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

(ভীমনা হিড়িম্ব হাৎলী)

(চামা নিফুমঙা শুবা অধ্যায়)

—:(০).—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তেন বিক্রমমাণেন উরুবেগসমীরিতম্। বনং সবৃক্ষবিটপং ব্যাঘূর্ণিতমিবাভবৎ ॥১॥

জঙ্ঘাবাতো ববৌ চাস্য শুচিশুক্রাগমে যথা। আবর্জিতলতাবৃক্ষং মার্গং চক্রে মহাবলঃ ॥২॥

সম্মৃদ্নন্ পুষ্পিতাংশ্চৈব ফলিতাংশ্চ বনস্পতীন্। অবরুজ্য যযৌ গুল্মান্ পথস্তস্য সমীপজান্ ॥৩॥

স রোষিত ইব ক্রুদ্ধো বনে ভঞ্জন্ মহাদ্রুমান্। ত্রিপ্রস্রুতমদঃ শুষ্মী ষষ্টিবর্ষী মতঙ্গরাট্ ॥৪॥

গচ্ছতস্তস্য বেগেন তার্ক্ষ্যমারুতরংহসঃ। ভীমস্য পাণ্ডুপুত্রাণাং মূর্চ্ছেব সমজায়ত ॥৫॥

অসকৃচ্চাপি সন্তীর্য্য দূরপারং ভুজপ্লবৈঃ। পথি প্রচ্ছন্নমাসেদুর্ধার্ত্তরাষ্ট্রভয়াত্তদা ॥৬॥

কৃচ্ছ্রেণ মাতরঞ্চৈব সুকুমারীং যশস্বিনীম্। অবহৎ স তু পৃষ্ঠেন রোধঃসু বিষমেষু চ ॥৭॥

আগমচ্চ বনোদ্দেশমল্পমূলফলোদকম্। ক্রূরপক্ষিমৃগং ঘোরং সায়াহ্নে ভরতর্ষভ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—ভীমনা মথোং অমুমুক থাংলকপদা, থুনা য়াংনা শাফু কম্না চেল্লকপনা মনা মশা পুনবা হৈপাল, নৈপাল, উজাও পুম্বা কেৎ কেৎ হায়রুনা লোয়রুনা মথোঙ্গিনু কোয়লে নৈশিনকপগুম উখি ॥১॥ কালেন অমধি ইঙ্গা থাগী মরক্তা হৈপাল নৈপাল উজিবারি পুম্নমক চপন্নরনা হুমদোকুনা শিংপা থোং থাংবা থোক্তবা মুংশিং অহ শিংলক্লে। মপাঙ্গল কঙ্গবা ভীমনা লাকপা লম্বী মথে নাপী শীংবী হৈপাল-নৈপাল পুম্নমক নৈহৎহুনা চেল্লকই ॥২॥ লম্বীগী মমাঙ্গ ফোবা হৈপাল-নৈপাল, মথেং মরোং মনা-মশা, পুংলবা পাম্বী কম্না নৈমায়না নৈথংলমহুনা চেলক্লে ॥৩॥ ভীমগী চাইকং অনি, নকোং অনি অমদি তক্লবা নিংথৌ অনিগী হুমাং [illegible] নাইৰনা শিল্লকই, মতৌ অমুমা চহি হুমফু চংলক্লবা পাথাং সপুং কাৰবা মচুম ভাম্বা শামুনা [illegible] শামু কম্না [illegible] হায়বহুনা, শাউহুনা থোংচিল্লকহুনা, চাউরবাউরবা উপাবীগী মশা মরোং [illegible] ভীমনা [illegible] অহুনা চেল্লকই ॥৪॥ গরুড় অমদি নুংশিৎকী মতৌগুমনা থুনা চেনবা ভীমগী [illegible] মচিনমনা ওশিং [illegible] ॥৫॥ মতৌ [illegible] পাণ্ডবশিংনা দুর্য্যোধননু কিনবগী লম্বীদা [illegible] কয়া-কয়া ইরোইদুনা, লানুনা লাপলবা; উকিবাকিবা [illegible] অমা থোথিনাই। ভীমসেননা [illegible] মমা কুন্তী [illegible] [illegible]

ঘোরা সমভবৎ সন্ধ্যা দারুণা মৃগপক্ষিণঃ। অপ্রকাশা দিশঃ সর্ব্বা বাতৈরাসন্ননার্ত্তবৈঃ ॥৯॥
শীর্ণপর্ণফলৈ রাজন্! বহুগুল্মক্ষুপৈদ্রুমৈঃ। ভগ্নাবভুগ্নভূয়িষ্ঠৈর্নানাদ্রুমসমাকুলৈঃ ॥১০॥
তে শ্রমেণ চ কৌরব্যাস্তৃষ্ণয়া চ প্রপীড়িতাঃ। নাশক্নুবংস্তদা গন্তুং নিদ্রয়া চ প্রবৃদ্ধয়া ॥১১॥
ন্যবিশন্ত হি তে সর্ব্বে নিরাস্বাদে মহাবনে। ততস্তৃষ্ণাপরিক্ষামা কুন্তী পুত্রানথাব্রবীৎ ॥১২॥
মাতা সতী পাণ্ডবানাং পঞ্চানাং মধ্যতঃ স্থিতা। তৃষ্ণয়া হি পরীতাস্মি পুত্রান্ ভৃশমথাব্রবীৎ ॥১৩॥
তচ্ছ্রুত্বা ভীমসেনস্তু মাতৃস্নেহাৎ প্রজল্পিতম্। কারুণ্যেন মনস্তপ্তং গমনায়োপচক্রমে ॥১৪॥
ততো ভীমো বনং ঘোরং প্রবিশ্য বিজনং মহৎ। ন্যগ্রোধং বিপুলচ্ছায়ং রমণীয়ং দদর্শ হ ॥১৫॥
তত্র নিক্ষিপ্য তান্ সর্ব্বানুবাচ ভরতর্ষভঃ। পানীয়ং মৃগয়ামীহ বিশ্রমধ্বমিতি প্রভো! ॥১৬॥
এতে রুবন্তি মধুরং সারসা জলচারিণঃ। ধ্রুবমত্র জলস্থানং মহচ্চেতি মতির্মম ॥১৭॥
অনুজ্ঞাতঃ স গচ্ছেতি ভ্রাত্রা জ্যেষ্ঠেন ভারত। জগাম তত্র যত্র স্ম সারসা জলচারিণঃ ॥১৮॥
স তত্র পীত্বা পানীয়ং স্নাত্বা চ ভরতর্ষভঃ। তেষামর্থে চ জগ্রাহ ভ্রাতৄনাং ভ্রাতৃবৎসলঃ ॥১৯॥

য়ৌরক্লে, মকম অছু উহৈ-ঘ্রাহৈ ঈশিংনচিংবা ইরৈ লৈতে হায়বা য়াই; অদুগী মথক্তা শাহিং চাবা কৈ-নোংশা অমদি শাহিং চাবা অকিবা উচেক মথল মথলনা পীকথন্না লৈরম্মী ॥৮॥ মুমিংনা অম্নম মমশিল্লকপগা লোয়ন-লোয়নয়া বনগী মায়কৈ মরিদা হায়রিবা শা-উচেকশিং অসিনা চথোকনরকপা হোরকলে। মতম চাদনা শিংলকপা মুংশিংনা অকংবা উনাশিংনা প্রোপ প্রোপ কেল্লকলি, উহৈ কেন্দুনা তারকপনা বনগী লৈমায়দা ইথল-থলখ্রে. উপান্বী অচৌ-অপীকপা কয়ানা তেক্কুনা তারকপনা পাব্বী মথল মথল কয়ানা ছুমজিল-তেকশিংলকতুনা মক্ষম পুমনমক ইমং মংনা কুপশিল্লক্লে ॥৯—১০॥

মতম অছুদা ভীম নত্তনা অতৈদি অরাম খৌরাংবা অমদি তুমলিংবরা, চোকথবনা থোং থাংবা থোক্লক্লে ॥১১॥ অম্নুনা অমুক মথা অমা অমুক চথবা তৌদনা শুরুবা বন অমাগী মন্থুংদা চংশিনখ্রে। অদুগী তুংদা কুন্তীনা অরাম খৌরাংবনা থাংবা শক্তুনা য়াম্না ঘানা মচাশিংদা হায়রকই ॥১২॥ "মচা মঙাগী মমা ওইরিবী ঐনা ইচাশিংগী মরক্তা লৈন লৈনা ঈরিং থুন্না অমা ফাওবা থকপা ফংদনা অম্নক য়াম্না ঘারবনিকো"। অস্তুম হায়না হুন্ন হুন্না মচাশিংদা য়েংদুনা হায়খি ॥১৩॥ মমাগী অন্নাবা ঘাহৈ অঙ তাবদা কল্লবা ভীমসেনগী থোংলবা থমোই অদো মমা স্নুংশিবগী অমদি জীবন্তু থৌজাল হৈবগী ইথক্তা লুপখ্রে; অদুগুম্বা মতমদা মমাগী দমক্তা ঈশিং থিরুগে হায়না থৌরাং তৌখি ॥১৪॥ অদুগী তুংদা অমুক পাম্মদনা ভীমসেননা অকিবা ফংলবা মীচিক মীয়াওখোল তাদবা অমস্তুং পাক চাউরবা বন অদুগী মথুংদা চংখিদনা কোইয়েং য়েংবদা মরুপ্ত ইনম মপা পাক্লা তারবা য়াং চাউরবা বট পাম্বী অমা উই ॥১৫॥ মদুগী উথাদা মরাম অদুবু পুশিন্দুনা পোথা হরাগা হায়রকই— ঐ ঈশিং থিরুগে; মরাম্না অসিদা পোথাবিরম্ ॥১৬॥ আসিবাইদা লৈবা হাইমুনচিংবগী স্নুংশিরবা খোম্লেল তাবিরে; অদুনা ঐনা থনবু মকম আসিদা ঈশিং শোয়রদনা লৈরব ত্যরে ॥১৭॥ "অরে ঈশিং থিরুরো" অনুমা হায়বা যুধিষ্ঠিরগী য়াথং ফংলবা য়াইমু কাংজনচিংবগী খোম্লেল তাবা মকম অছু তাম্না ঈশিং থিবা চংখে, ॥১৮॥ মচিন মপাওবু স্নুংশিজরবা, ভারত শাংলেগী আংথাইবা ভীমসেননা

উত্তরীয়েণ পানীয়মানয়ামাস ভারত!। পঙ্কজানামনেকৈশ্চ পত্রৈর্বর্ধবা পৃথক্ পৃথক্ ॥২০॥
গব্যূতিমাত্রাদাগত্য ত্বরিতো মাতরং প্রতি। শোক-দুঃখ পরীতাত্মা নিশশ্বাসোরগো যথা ॥২১॥
স সুপ্তঃ মাতরং দৃষ্ট্বা ভ্রাতৄংশ্চ বসুধাতলে। ভৃশং শোকপরীতাত্মা বিললাপ বৃকোদরঃ ॥২২॥
অতঃ কষ্টতরং কিন্নু দ্রষ্টব্যং হা ভবিষ্যতি। যৎ পশ্যামি মহীসুপ্তান্ ভ্রাতৄনস্ত সুমন্দভাক্ ॥২৩॥
শয়নেষু পরার্দ্ধেষু যে পুরা বারণাবতে। নাধিজগ্মুস্তদা নিদ্রাং তেঽদ্য সুপ্তা মহীতলে ॥২৪॥
স্বসারং বসুদেবস্য শত্রুসঙ্ঘাবমর্দ্দিনঃ। কুন্তিরাজসুতাং কুন্তীং সর্ব্বলক্ষণপূজিতাম্ ॥২৫॥
স্নুষাং বিচিত্রবীর্য্যস্য ভার্য্যাং পাণ্ডোর্মহাত্মনঃ। তথৈব চাস্মজ্জননীং পুণ্ডরীকোদরপ্রভাম্ ॥২৬॥
সুকুমারতরামেনাং মহার্হশয়নোচিতাম্। শয়ানাং পশ্যতাদ্যেহ পৃথিব্যামতথোচিতাম্ ॥২৭॥

মফম অদু তায় চৎখিদুনা ইকজথোক্লুনা ঈশিং থরদং থক্লগা মচিন মনাওশিংগী দমক্তা ঈশিং শোকই ॥১৯॥ থম্মা ময়াম্মা তোংভাল তোংভাম্মা য়োমশিন্দুনা ময়োমশিং অদুবু অমুক ফিগাওদা য়োমশিন্দুনা পুরক্লে ॥২০॥ ভীমসেননা মুথক 'অনিরোমগী লম্বীদা লাক্লুনা মমাগী মফমদা থুনা চংশিল্লক্লুনা অৱাবা মুংঙাইতবনা লিলগী মতৌগুম্না মুংসাম্বব মপী ফি-ফি কামদুনা লৈথি ॥২১॥ মমা অমদি মচিন মনাওশিংনা লৈমায়দা তাদনা তুমদুনা লৈরম্বা অদু উবদা মুংঙাইমনখিদুনা হিক্ল হিক্লা কপখি ॥২২॥

ওহোকপনি বিধাতা অসিদগী হেন্না ৱাববু,
অতৈ অমা লৈরিদরা, অসিদগী হেন্না যেংহৈদবা
অতৈ দৃশ্য অমা লৈরিগদরা, লাইবক খিববা ভীম ঐনা,
অসিগুম্বা দশাদ তারবা, ইচিন ইনাওশিংবু উরবনিকে; ॥২৩॥
বারণাবতগী নগরদা, নিংখিজরবা ফম্মুংদা, হিপ্লুনা লৈরফাওবদা
নিংথিনা তুম্বা ফংজরবা, মথোয় অসিনা ভসিস্থ অসিগুম্বা মফমদা তুমদুনা লৈরবনিকো ॥২৪॥
য়েক্লব পুম্বা ভম্বব', বসুদেবগী মচল ওইবী, কুন্তী নিংথৌগী মচা মুপী,
নিংথিবা গুণনা লৈহেংবী, বিচিত্রবীর্য্য নিংথৌগী মমো মুপী চংখোনবী,
পুকচেল চাউরবা ইপাবুং পাণ্ডু নিংথৌগী লোইনবী
ইচিন ইনাও ঐথোয় মভাগী মমা ওইনা লৈরিবী,
থম্বাল লৈরিক মতৌগুম অভোবা কুচুনা ওইরিবী,
হকচাং পূম্বা ইমাগী, খোইন খোৎন নৌবীনি;
খোংল নৌরবা মমল য়াম্বা, শয্যা থক্তা চেম্লদা
মতিক চারবী ইমানি; অসিগুম্বী কুন্তী দেবীনা,
ভসিদি বনগী মনুংদা, লৈমায় থক্তা য়াইহীপলি;
অসিগুম্বা মফমদা, হীম্লদা মতিক চাৱরবী,
ইমাগী মতৌ উবদা, থমোই পুব য়ায়ক্লে,

ধর্ম্মাদিন্দ্রাচ্চ বাতাচ্চ প্রসুবে যা সুতানিমান্। সেয়ং ভূমৌ পরিশ্রান্তা শেতে প্রাসাদশায়িনী ॥২৮॥
কিন্নু দুঃখতরং শক্যং ময়া দ্রষ্টুমতঃ পরম্। যোঽহমত্ত নরব্যাঘ্রান্ সুপ্তান্ পশ্যামি ভূতলে ॥২৯॥
ত্রিষু লোকেষু যো রাজ্যং ধর্ম্মনিত্যোঽর্হতে নৃপঃ। সোঽয়ং ভূমৌ পরিশ্রান্তঃ শেতে প্রাকৃতবৎ কথম্ ॥৩০॥
অয়ং নীলাম্বুদশ্যামো নরেষ্বপ্রতিমোঽর্জ্জুনঃ। শেতে প্রাকৃতবদ্ভূমৌ ততো দুঃখতরং নু কিম্ ॥৩১॥
অশ্বিনাবিব দেবানাং যাবিমৌ রূপসম্পদা। তৌ প্রাকৃতবদদ্যেমৌ প্রসুপ্তৌ ধরণীতলে ॥৩২॥
জ্ঞাতয়ো যস্য নৈব স্যুর্বিষমাঃ কুলপাংসনাঃ। স জীবেত সুখং লোকে গ্রামদ্রুম ইবৈকজঃ ॥৩৩॥

মচেৎ মচেৎ কায়খে ॥২৫—২৭॥ ওহ্মোকপনি বিধাতা !
ধর্ম্ম, বায়ু, ইন্দ্র, দেবতা অহুম অসিগী মচাবু গর্ভদা পুহনা
পোকচখ্রবী ইমানা ফুরা-লোলান মথক্কা
নিংথিবা শয্যা মথক্কা চেপকদৌবী কুন্তীনা খোইনা চোকথখিদুনা,
লৈমায়থক্কা হীপলিদো ॥২৮॥
অসিদগী হেন্ন য়াবরু, য়েংনিংঙাই করি লৈবগে
লাইবক থীবা ভীমসেননা মীথোই মীহেল্লবা পাণ্ডুনা
পোক্লম্বা পাণ্ডবশিংসিনা লৈমায়থক্কা তুম্বরু
ইমিৎ থিৎনা উররে ॥২৯॥ মতমলৈবখিবিক্তল
ধর্ম্মদা পুক্নিং চংলবা মরোন অচম্মুকীম ;
নিংথৌ ওইবা য়াম্নবা, 'তুগুম্বা য়াম্বুং যুধিষ্ঠিরনা,
ওহ্মোকপনি বিধাতা ! খোইনা চোকথখিদুনা
মীচম অমগী মতৌগুম লৈমায়থক্কা চেপলিলো ॥৩০॥
মতিক-মগুণ-মহৈদা, মীওইবদী মমুংদা, মাগী মপ্পা লৈরব'
শংবাম্নবা, অনৌবা লোংগী মতৌগুম শংবাম্নরবা ইনাওনা, অর্জ্জুন কৌবা মহাক্না
লৈমায়থক্কা তুম্নিকো ! অসিদগী হেন্ন য়াবরু,
করি অমা উনিংঙাই, ভীম এগী লৈরিবা ॥৩১॥ স্বর্গগী লাইয়াম মরক্তা, থবাইদগী হেন্ন নিংথিবা,
অশ্বিনীকুমার অনিগী, মতৌগুম নিংথিজরবা থবাইগী থমোইহুংদ্রা, খোইরাং খোয়শাউ পোক্লফম,
ওইরবা শকফম পুন্নিবা ইনাও 'নি নকুলসহদেবনা,
অত্তোপ্পা মীচমগী মতৌগুম, লৈমায়থক্কা হীপ্লিলো ॥৩২॥
হোয়, 'বুদ্ধিকরি 'মুক হায়গনি, ফক্তবা লমচৎ লৈত্রবা,
শাগৈদা মায়হিং কাহনবা, ভাইশোন্না মাগী ওইত্রবা
ধর্ম্মতনা মথৌ ওইজবা অতুগুম্বা মীশক 'হৃত্রনা,
জগৎ অসিগী মমুংদা, অমমা মিৎয়েং চংত্রবা,
খুলগী নায়ক ময়ক্তা নাইতোম হৌজবা শান্দোলগুম,
ঙাংনা সুংঙাইনবুদি লৈজেলো ॥৩৩॥

একো বৃক্ষো হি যো গ্রামে ভবেৎ পর্ণফলান্বিতঃ । চৈত্যো ভবতি নির্জ্ঞাতিরর্চনীয়শ্চ পূজিতঃ ॥৩৪॥
যেষাঞ্চ বহবঃ শূরা জ্ঞাতয়ো ধর্ম্মমাশ্রিতাঃ । তে জীবন্তি সুখং লোকে ভবন্তি চ নিরাময়াঃ ॥৩৫॥
বলবন্তঃ সমৃদ্ধার্থা মিত্রবান্ধবনন্দনাঃ । জীবন্ত্যন্যোন্যমাশ্রিত্য দ্রুমাঃ কাননজা ইব ॥৩৬॥
বয়ন্তু ধৃতরাষ্ট্রেণ সপুত্রেণ দুরাত্মনা । রাজ্যলুব্ধেন মূর্খেণ দুর্মন্ত্রিসহিতেন বৈ ॥৩৭॥
দুষ্টেনাধর্ম্মশীলেন স্বার্থনিষ্ঠৈকবুদ্ধিনা । বিবাসিতা ন দগ্ধাশ্চ কথঞ্চিদ্দৈ বসংশ্রয়াৎ ॥৩৮॥
তস্মান্মুক্তা বয়ং দাহাদিমং বৃক্ষমুপাশ্রিতাঃ । কাং দিশং প্রতিপৎস্যামঃ প্রাপ্তাঃ ক্লেশমনুত্তমম্ ॥৩৯॥
সকামো ভব দুর্বুদ্ধে ! ধার্ত্তরাষ্ট্রাল্পদর্শন ! । নূনং দেবাঃ প্রসন্নাস্তে নানুজ্ঞাং মে যুধিষ্ঠিরঃ ॥৪০॥

বনগী ঈংলবা লমদমদা, মহৈ-মরোং-মনা-চুম্বা,
মথক্ত লৈজবা উপাম্না, খুললকী ইশৌ লাংলব',
উশিং 'তুগা মরি লৈতনা চীঙ্গা ছোজবা মহাক্তবু,
লাইরৈবাকী পাম্মেম্নি, অঙ্গম হায়না শিংথানৈ,
মীয়াম্না লাইগুম ইরাৎনৈ, লম্বী চৎপা মীশিংনা,
তরাম্না খুরম-খাজংনৈ ॥৩৪॥ য়াম্নবা শাগে নাতৈনা,
থোইন কনবা ওইতুনা মচাক মরন হোংনবু,
ধর্ম্ম চেম্না পাঞ্জবা, অখিংবা য়ৈখায়বা লৈতবা,
মহাক্তনা জগৎ অসিদা, খুয়াতুশিংনা পুনসি লেঞ্জে ॥৩৫॥
মতিক মগুণ লৈরবা মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা,
মরন-মথুম ব্রাত্রবা মরূপ শাগে-নাতৈগী,
সুংডাইনফম চংজফম ওইরবা, অহুগুম্বা মীশকশিং 'তুনা,
অমগ-অমগা য়েৎশিন্নতুনা, অমনা অমগী মতেং লৌনতুনা,
বনগী ফজবা ওইতুনা, ছৌবা পাম্বীশিংগী মতোগুম,
সুংঙাইনা পুনশি লেপ্লেদো ॥৩৬॥

ফত্রবা চায়াম্না ইকোয় কোয়শিল্লবা, ফত্রবা পুকচেল চেল্লবা, লৈবাক পাম্বা, পংলবা, ফত্রবা মন্ত্রীনা থল্লবা, পোকপদগী ফত্রবা স্বাথন্দা তৌগল্লবা, পাপীগী মঙ্গংদা অথোইবা, মাগী ওইজবদা তাল্লবা, অন্ধ-মক্ত খন্দনা নাকন অমতমক খনবা, ধৃতরাষ্ট্রগুম্বগী মচা মহাক্না এথোয়বু ইরৈবাক্তগী তাম্বোক্লগা য়ুমমৈ থাতুনা হাৎকে হায়তুনা হোৎনবনি ; অদুবু কৈদৌনি লাইগী নোংদমদগী মৈসুংদগী লাম্বোকরক্তুনা চাকহৌত্রে ॥৩৭—৩৮॥ মৈনা চাকনি হায়বা কিবদগী লাম্বোরক্তুনা বন অসিগী মসুংদা উগী উথাদা চংজফম ওইহনা লৈরি, হৌজিক করম্ব মায়কৈদা অমুক চৎশিবা, অসিদা লৈব অসিদি য়াম্না স্বাব তারে ॥৩৯॥ "পুকচেল ফত্রবা ! মূর্খ ! দুর্য্যোধন ! নংনা নিংবা থুংজরো । লাইশিং মরুন্থ হৌজিক নংবু য়ারি, করিনা হায়রবু য়াম্মুং যুধিষ্ঠিরনা নংবু হাৎলুচো হায়হনা হৌজিক ফাওবা এরোম্দা য়াথং পিত্রি; মাসিমু নংগী নরাইবক ফবনি অতুনা নংনা মতম থরদং হিংহনা লৈবা

প্রযচ্ছতি বধে তুভ্যং তেন জীবসি তুর্ণতে ।। ন ত্বস্ত ত্বাং সহামাত্যং সকর্ণানুজসৌবলম্ ॥৪১॥
গত্বা ক্রোধসমাবিষ্টঃ প্রেষয়িষ্যে যমক্ষয়ম্ । কিন্তু শক্যং ময়া কর্ত্তুং যত্তে ন ক্রুধ্যতে নৃপঃ ॥৪২॥
ধর্ম্মাত্মা পাণ্ডবশ্রেষ্ঠং পাপচার যুধিষ্ঠিরঃ । এবমুক্ত্বা মহাবাহুঃ ক্রোধসন্দীপ্তমানসঃ ॥৪৩॥
করং করেণ নিষ্পিষ্য নিশ্বসন্ দীর্ঘমাতুরঃ । পুনর্দীনমনা ভূত্বা শান্তার্চ্চিরিব পাবকঃ ॥৪৪॥
ভ্রাতৄন্ মহীতলে সুপ্তানবৈক্ষত বৃকোদরঃ । বিশ্বস্তানিব সংবিষ্টান্ পৃথগ্জনসমানিব ॥৪৫॥
নাতিদূরেণ নগরং বনাদস্মাদ্ধি লক্ষয়ে । জাগর্ত্তব্যে স্বপন্তীমে হন্ত জাগর্ম্যহং স্বয়ম্ ॥৪৬॥
পাস্যন্তীমে জলং পশ্চাৎ প্রতিবুদ্ধা জিতক্লমাঃ । ইতি ভীমো ব্যবস্থৈর জজাগার স্বয়ং তদা ॥৪৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
জতুগৃহে ভীমজলাহরণং নাম পঞ্চচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

— —•:(*):•——

শারি। অহ নত্তবদবু ঙসি ভীম ঐনা শাওথিবদগী নহাকপু নংগী ফত্তবা মন্ত্রীশিং, কর্ণ, ননাওশিং অমদি শকুনিগা লোয়ননা যমগী লৈবাক্তা ঙশাইনা থারমগদৌবনি। অদুবু পাপ চেন্নবা। নরাইবক ফবনা নংগী নফমদা ধর্ম্ম চেন্নবা যুধিষ্ঠিরনা হৌজিক ফাউবা শাওদনা লৈরিবনিনা নংড়োন্দা ঐনা করি তৌবা ঙমগনি ? অসুম হায়না শাওবনা লৈফম থংত্রবা ভীমসেননা মথুং প্রোক-প্রোক থেক্তুনা মুংশা মপী ফুইনা-ফুইনা হোন্দুনা ঙহাক্তং লৈরম্লগা মৈরিফংন চাক্লম্বা মৈনা ঈংথখিবগুম, ইন্দ্রিয় থুডুম চনবনা মশা মথন্ত লাকশিনজথিবগুম হান্নগী শকফমদা হুঞ্জিন্দুনা লৈমায়থক্তা তুম্মিবা মমা মচিন মনাওশিংবু মুন্না য়েংতুনা মপুক্লিংদা অসুম্না থল্লকই ॥৪০—৪৫॥ বন অসিদগী থোইনা লাপ্তনা আদা বন অমা উরি। অদু মঙাইবে, ঐ মীশেল থাংহনা লৈখিগে, ঐনা মীশেল থাংহনা ময়াম্বু শংতুনা লৈগনি হায়বদগী ময়াম্না নিংঙাইদনা তুম্লিবনিসে। ফরে অহ মঙাইরে ময়াম্না হৌগত্রিবা ফাউবা মীশেল থাংতুনা লৈখিগে ॥৪৬॥ অহগী তুংদা হৌগৎলক্তুনা ঈশিং থক্কনি অহগা চোকথবা পুম্নমক কোক্তুনা হকচাং ইতেক তেকথৎলক্কনি"। অসুম হায়না মপুক্লিংদা থল্লহনা ভীম মতোমতা মীশেল থাংতুনা লৈরি ॥৪৭॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা চাশং মৈথাবদা ভীমজলাহরণ কৌবা চামগা নিফুমঙা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——.(*).——

শ্রীমহাভারতম্

জতুগৃহপর্ব

(ভীমগা হিড়িম্বাগা ঙাংনবা)

(চাম নিফুতরুক শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তত্র তেষু শয়ানেষু হিড়িম্বো নাম রাক্ষসঃ। অবিদূরে বনাত্তস্মাচ্ছালবৃক্ষং সমাশ্রিতঃ ॥১॥
ক্রূরো মানুষমাংসাদো মহাবীর্যপরাক্রমঃ। প্রাবৃড়্জলধরশ্যামঃ পিঙ্গাক্ষো দারুণাকৃতিঃ ॥২॥
দংষ্ট্রাকরালবদনঃ পিশিতেপ্সুঃ ক্ষুধার্দিতঃ। লম্বস্ফিগ্লম্বজঠরো রক্তশ্মশ্রুশিরোরুহঃ ॥৩॥
মহাবৃক্ষগলস্কন্ধঃ শঙ্কুকর্ণো বিভীষণঃ। যদৃচ্ছয়া তানপশ্যৎ পাণ্ডুপুত্রান মহারথান্ ॥৪॥
বিরূপরূপঃ পিঙ্গাক্ষঃ করালো ঘোরদর্শনঃ। পিশিতেপ্সুঃ ক্ষুধার্তশ্চ তানপশ্যদ্যদৃচ্ছয়া ॥৫॥
ঊর্ধ্বাঙ্গুলিঃ স কণ্ডূয়ন্ ধুন্বন্ রুক্ষান্ শিরোরুহান্। জৃম্ভমাণো মহাবক্ত্রঃ পুনঃ পুনরবেক্ষ্য চ ॥৬॥
হৃষ্টো মানুষমাংসস্য মহাকায়ো মহাবলঃ। আঘ্রায় মানুষং গন্ধং ভগিনীমিদমব্রবীৎ ॥৭॥
উপপন্নং চিরস্যাদ্য ভক্ষ্যং মম মনঃপ্রিয়ম্। জিঘ্রতঃ প্রস্রুতা স্নেহাজ্জিহ্বা পর্যেতি মে মুখাৎ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— কুন্তীনা অমদি যুধিষ্ঠিরনচিংবা মচিন মনাও মরিনা তুমলিঙৈ মতমদা থোইন লাপ্তনা হিড়িম্ব কৌবা হিংচাব অমা চাউরবা চিংগু পাম্বী অমগী মথক্তা তোংদুনা লৈরম্মি ॥১॥ মহাক অসি হিংসা তোগল্লবা, মীশা চাবা, মপাঙ্গল তমথিনা কল্লবা নোংজু থাগী মুরবা নোংগী মতৌগুম শংনা মুববা, মমিৎনা পিঙ্গলা থুংলবা, অরাম খৌরাংবনা লৈফম খংস্রবা, কদায়দা শত্রুম অমতং ফংগদগে হাযদুনা কোয়থি থিরবা, য়েংবদা অকিবা অথংবা পোক্লবগী মশক ওইরবা হিংচাব অমনি। মহাক্কী পাক্লবা মমাই অতুদা য়াম্লুংদা অকিবগী মশক ফংলবা চৌরবা য়াগী পরেংনা অকিবগী মশক ফংলমই, মবুকস্তু মনঙ্গলস্তু কা হেন্না শাংঙি, মশম মকোয় পুম্নমক অহু ঙাংশং ভাংঙি, মকুকশম মরেংবাননা চাউরবা উপাম্বীগী মতৌগুম ব্রাংঙি অমদি মনা অনিনা যোৎপীগী মতৌগুম কল্লা থৌনা চপ তিংঙি। অসিগুম্বা অকিবগী মশক ফংলবা হিংচাবসিনা লাইগী নোংদমদগী মহারথ ওইবা পাণ্ডবশিংবু উথি ॥২—৪॥ হকচাং কয়াৎ চুম্না পাল্লবা, মমিৎ পিঙ্গলা মচু মাল্লবা, শাহিং চাবা, লাম্লবা, অকিবগী মশক ফংলবা হিংচাব অদুনা অস্থুম থোকউ হায়না তমখিবদগী পাণ্ডবশিংবু উথিংনি ॥৫॥ মশা-মউ ব্রাংচাউরবা মপাঙ্গল থোইনা কল্লবা, উবদা অকিব ফংলবা হিংচাব অদুনা মীগী মশাগী মনম ফংবদা মীশা চাব শোয়দনা ফংব তারে অস্থুম হাযনা মুংঙাইনা মথুৎ অনি থাজঙ্ঙনা খিজৌ খিজৌ লাওরবা মশমশিং অহু নারদুনা ফাদোক্তনা মকোক হাইর হাইরদুনা পাণ্ডবশিংবু হম্না হম্না য়েংদুনা মচন মুপী হিড়িম্বদা বা অসি হায়রকই। ৬—৭॥ মতম অস্থুক কুইরবগী মতুংদা ভর্সিদ

অষ্টৌ দংষ্ট্রাঃ সুতীক্ষ্ণাগ্রাশ্চিরস্থাপাতদুঃসহাঃ। দেহেষু মজ্জয়িষ্যামি স্নিগ্ধেষু পিশিতেষু চ ॥৯॥
আক্রম্য মানুষং কণ্ঠমাচ্ছিদ্য ধমনীমপি। উষ্ণং নবং প্রপাস্যামি ফেনিলং রুধিরং বহু ॥১০॥
গচ্ছ জানীহি কে ত্বেতে শেরতে বনমাশ্রিতাঃ। মানুষো বলবান্ গন্ধো ঘ্রাণং তর্পয়তীব মে ॥১১॥
হত্বৈতান্ মানুষান্ সর্বানানয়স্ব মমান্তিকম্। অস্মদ্বিষয়সুপ্তেভ্যো নৈতেভ্যো ভয়মস্তি তে ॥১২॥
এষামুৎকৃত্য মাংসানি মানুষাণাং যথেষ্টতঃ। ভক্ষয়িষ্যাব সহিতৌ কুরু তূর্ণং বচো মম ॥১৩॥
ভক্ষয়িত্বা চ মাংসানি মানুষাণাং প্রকামতঃ। নৃত্যাবঃ সহিতাবাবাং দত্ততালাবনেকশঃ ॥১৪॥
এবমুক্তা হিড়িম্বা তু হিড়িম্বেন তদা বনে। ভ্রাতুর্বচনমাজ্ঞায় ত্বরমাণেব রাক্ষসী ॥১৫॥
আপ্লুত্যাপ্লুত্য চ তরূনগচ্ছৎ পাণ্ডবান্ প্রতি। জগাম তত্র যত্র স্ম শেরতে পাণ্ডবা বনে ॥১৬॥
দদর্শ তত্র সা গত্বা পাণ্ডবান্ পৃথয়া সহ। শয়ানান্ ভীমসেনঞ্চ জাগ্রতং ত্বপরাজিতম্ ॥১৭॥
দৃষ্ট্বৈব ভীমসেনং সা শালপোতমিবোদ্গতম্। রাক্ষসী কাময়ামাস রূপেণাপ্রতিমং ভুবি ॥১৮॥
অয়ং শ্যামো মহাবাহুঃ সিংহস্কন্ধো মহাদ্যুতিঃ। কম্বুগ্রীবঃ পুষ্করাক্ষো ভর্তা যুক্তো ভবেন্মম ॥১৯॥

মতম কুইনা আশা তৌরক্লবা হাউরনা চিঙ্গাক অদু মখোং থোংনা থুংলরে, মীশা মনম ফংবদা চানিংবনা তিল অসি কুৎ-কুৎ য়োৎলে অদুগা ইরৈ অসি মথন্তা থিন্দোকচরক্নে ॥৮॥ থৌববা, থাংবা ভমত্রবা, চীকপদা হূ কারবা ঐগী য়া নিপাল অসিবু অসুক কুইববা তুংদা ভসিদি থোইদোক্না থোৎলবা মীগী মশাদা থিংজিনগে ॥৯॥ মীগী মঙকশমদা কোন্দুনা নমদুনা শিংলি নাওরি পুমনমক থদত্তুনা কোংগোন কারবা মীগী শারবা ঈ অসে ইনিংতমনা থক্কেসো ॥১০॥ ইবেম্মা হিডম্বা ! নংনা চৎখিদুনা বনদা তুমদুনা লৈবিবাশিং অসে কনা কনানো যেংঙ্ চো, খংঙ্ চো। মপাঙ্গল কল্লব ঈ শারবা মীগী মীনম্বা ঐগী নাতোন মথুন্দা থোইনা মুংভাইবা মীহৌবা পীরি, মীনম তাবদদা ইপেল হেক পেল্লে ॥১১॥ নংনা চৎখিদুনা মখোয়শিং অসে চিংদুনা পুবকউ। মখোয় অসি ঐখোয়গী লৈফম অসিদা লাক্কনা তুম্মরি, অদুনা নংগী করিমতা কিফম লৈতে ॥১২॥ ভসিদি নংগা ঐগা ঐখোয় অনি তিন্নদুনা ইনিং ইথা তম্না পেল্লে মথৈ মী খর অসিগী মশা চাসি; অদুনা ইবুংনা হায়রিবসি ইমু ॥১৩॥ ভসিদি ইবানি তিন্নদুনা মীগী মশা পেম্না চাহনা অদুগী তুংদা খুবাক খুদুনা জগোয় শাসি ॥১৪॥ মতম অদুদা বনগী মনুংদা হিড়িম্ব কৌবা হিংচাবনা অসুম হায়রপদা হিডিম্বা কৌবী হিংচাবী অদুনা মবুংমা হায়বদু ইন্দুনা থুনা য়াংনা উথক অতুদগী চোংল চোংলহনা পাণ্ডবশিংগী মায়কৈ রোমদা চংশিন্নক্লে, অসুম অসুম চংশিল্লক্কনা পাণ্ডবশিংনা তুমলিবা মফম অহদা থুংলরে ॥১৫—১৬॥ হিড়িম্বা কৌবী হিংচাবী অসিনা মফম অদুদা চংশিনখিহনা— কুন্তীগা লোয়নননা তুমদুনা লৈরিবা পাণ্ডবশিংবু অমদি মীশেম থাংদুনা তুমদন লৈরিবা ভীমবুসু উকরে ॥১৭॥ মতম অহদা, নৌংবা চিংগু পাম্বীগী মতৌগুম য়াং চাউরবা, অমম্বা চাংদমনিংভাই লৈতনা ফজরবা ভীমসেনবু উবদা হিডিম্বা কৌবী হিংচাবীগী থম্মোইদা অপাম পুংশিগী ইথক হৌখ্রে, অমসুং অসুম হায়না থল্লকই ॥১৮॥ নিপা অসিগী শাবান অমে প্রয়াগগী বট পাম্বীগী মতৌগুম য়াং চাউইদা, নোংশাগী মতৌগুম মকেং ফম্নি, কুচুনা লৌনা লংঙি, মঙকশম ভারকপনা মোইবুংগী মতৌ তাংথক নাইদনা নিংখিজারি, মমিং অনিনা

নাহং ভ্রাতুর্ব্বচো জাতু কুর্য্যাং ক্রূরোপসংহিতম্। পতিস্নেহোঽতিবলবান্ তথা ন ভ্রাতৃসৌহৃদম্ ॥২০॥
মুহূর্ত্তমিব তৃপ্তিশ্চ ভবেদ্ভ্রাতুর্ম্মমৈব চ। হতৈরেতৈরহত্বা তু মোদিষ্যে শাশ্বতীঃ সমাঃ ॥২১॥
সা কামরূপিণী রূপং কৃত্বা মানুষমুত্তমম্। উপতস্থে মহাবাহুং ভীমসেনং শনৈঃ শনৈঃ ॥২২॥
বিলজ্জমানেব নতা দিব্যাভরণভূষিতা। স্মিতপূর্ব্বমিদং বাক্যং ভীমসেনমথাব্রবীৎ ॥২৩॥
কুতস্ত্বমসি সম্প্রাপ্তঃ কশ্চাসি পুরুষর্ষভ!। ক ইমে শেরতে চেহ পুরুষা দেবরূপিণঃ ॥২৪॥
কেয়ং বৈ বৃহতী শ্যামা সুকুমারী তবানঘ!। শেতে বনমিদং প্রাপ্য বিশ্বস্তা স্বগৃহে যথা ॥২৫॥
নেদং জানাতি গহনং বনং রাক্ষসসেবিতম্। বসতি হ্যত্র পাপাত্মা হিড়িম্বো নাম রাক্ষসঃ ॥২৬॥
তেনাহং প্রেষিতা ভ্রাত্রা দুষ্টভাবেন রক্ষসা। বিভক্ষয়িষ্যতা মাংসং যুষ্মাকমমরোপমাঃ!॥২৭॥
সাহং ত্বামভিসম্প্রেক্ষ্য দেবগর্ভসমপ্রভম্। নান্যং ভর্ত্তারমিচ্ছামি সত্যমেতদ্‌ব্রবীমি তে ॥২৮॥

থম্বান মনাগী মতৌগুম্না কোইরাউননা নিংথিরী, অদুনা কল্লবা ফজরবা নিপা অসিতনা ঐগী মতিক চ'ববা ইপুরোইবা ওইগদৌবনি ।.১৯।। মরম অদুনা ইবুংনা হায়রকপা তমথিরবা কল্লবা য়াথং অদো ঐ ভাল্লরোই। মরমদি, মপুরোইবা মুংশিবনা কনবা অদুক মবুং মৌপম্বাগী মুংশিবনা কনবা নত্তে ॥২০॥

মখোয় অসিবু হাৎলগা চাবদুদি ঐগী অমদি ইবুংগী অপেনবা মুংভাইবদো মতম খরগীদমক্তনি, অদুনা নিপা অসিবু হাৎতদুনা মাগা লোয়ননা মতম কুইনা পুনশি লেম্বোকে ॥২১॥ মতৌ অসুমনা খন্দুনা ওইনিংবতা ওইবা ভুম্নবী, পুনিংবা শকফমদা পুম্নবী হিড়িম্বানা নিংথিজরবী ভাইবং মীগী মুপীগী মশক অমা লৌরদুনা তপ্না-তপ্না, থেল্লা-নৌনা ভীমগী নাক্তা চংশিল্লক্লে ॥২২॥ অদুগী তুংদা মথল মথা অয়াম্বা লিক্-কোল অমসুং ফিজোল্লা লৈতেংলবী হিড়িম্বীনা ইকায়বনা মমাই লুকথদুনা য়াতোন উৎনা মোমোন নোক্তুনা ভীমগী মফমদা তপ্না তপ্না হায়রকই ॥২৩॥

মীথোই মীহেনবা নিপাও! কনানো তাকপিয়ু ঐভোন্দা,
লমদম কৈদগী লাকপগে? কোলোইনা করি কৌবগে?
মশক্লা লাইগুম ফজবা, তুমলিবশিংসিনা কনানো?
করিগীদমক্তা বনদা হীপতুনা লৈরিবা ॥২৪॥ পাপকী মরিক য়াওদনা, থোইনহেন্না ফজবা!
সনা ফুদোংবা কুচু মানবী, থোৎলবা নৌরবা হকচাং ওইবী,
তুমলিবী অসিনা কনানো, নহাক্কী করি থোকপগে?
অসুকপা উমংদা লাল্লগা, ময়ুমদা নিংভাইদনা তুমবগুম,
নিংভাইদনা তুমদুনা লৈরিদো ॥২৫॥ নখোয়না লৈরিবা বন অসে
হিংচাবনা থন্না লৈবনি, অসিবুসু থংবিন্নে
পাপ চেন্নবা, মীমুংশি থংদবা হিড়িম্ব কৌবা হিংচাব,
বন অসিদা লৈবনি ॥২৬॥ লাইরৈবাক্কী লাইগুম নিংথিবা!
নখোয়গী মশা চানিংবনা, অমথিরবা ঋাশক শক্তুনা
ঐবু সিদা থায়কপনি ॥২৭॥ অমুগুথী ঐনা সিদা লাক্লগা

এতদ্বিজ্ঞায় ধর্ম্মজ্ঞ! যুক্তং ময়ি সমাচর। কামোপহতচিত্তাঙ্গীং ভজমানাং ভজস্ব মাম্ ॥২৯॥

ত্রাস্যামি ত্বাং মহাবাহো! রাক্ষসাৎ পুরুষাদকাৎ। বৎস্যাবো গিরিদুর্গেষু ভর্ত্তা ভব মমানঘ! ॥৩০॥

অন্তরীক্ষচরী হ্যস্মি কামতো বিচরামি চ। অতুলামাপ্নুহি প্রীতিং তত্র তত্র ময়া সহ ॥৩১॥

ভীমসেন উবাচ।

মাতরং ভ্রাতরং জ্যেষ্ঠং কনিষ্ঠানপরানপি। পরিত্যজেত কো ন্বদ্য প্রভবন্নিহ রাক্ষসি! ॥৩২॥

কো হি সুপ্তানিমান্ ভ্রাতৄন্ দত্ত্বা রাক্ষসভোজনম্। মাতরঞ্চ নরো গচ্ছেৎ কামার্ত্ত ইব মদ্বিধঃ ॥৩৩॥

রাক্ষস্যুবাচ।

যত্তে প্রিয়ং তৎ করিষ্যে সর্ব্বানেতান্ প্রবোধয়। মোক্ষয়িষ্যাম্যহং কামং রাক্ষসাৎ পুরুষাদকাৎ ॥৩৪॥

ভীমসেন উবাচ।

সুখসুপ্তান্ বনে ভ্রাতৄন্ মাতরঞ্চৈব রাক্ষসি!। ন ভয়াদ্বোধয়িষ্যামি ভ্রাতুস্তব দুরাত্মনঃ ॥৩৫॥

নহি মে রাক্ষসা ভীরু! সোঢ়ুং শক্তাঃ পরাক্রমম্। ন মনুষ্যা ন গন্ধর্ব্বা ন যক্ষাশ্চারুলোচনে! ॥৩৬॥

নিংথিব নংবু উবদা, লাইগী মচানি থন্দুনা নংবু নত্তনা অতৈ অমবু ইপুরোইবনি থনগেনিজক্রে

ইপুক লোমদনা অচুম্বতা হাযদোকচরি নংভোন্দা ধর্ম্ম চেল্লবা নিপাও! অসি পুম্নমক থল্লগা

ঐগী ইফমদা চৎপিয়ু, হৌনবী লমচৎ অপুম্বা। অপাম-মুংশি ব্রাখলনা, ঐগী পুক্নিংবু শুক্তংলি

হেফচাং কায়াৎ অপুম্বদা থোইনা অব্রাবা পিরক্লি, অব্রাবসি কোক্লবা নংনকমদা চংজরি, ঐবু নংগী ওইয়ু ॥২৮-২৯॥

পাঙ্গলবা নিপাও! মীশা চাবা হিংচাবগী, মচিন্দগী ঐনা শোয়দনা কনজগনি;

ঐখোয় অনিমক চৌংগী নাকন অমদা মীনা য়ৌঙমক্রবা মফমদা লৈমিন্নরুসি;

ইপুরোইবা ওইবিয়ু ॥৩০॥ ঐদি আকাশদা লৈবীনি

নেংমদোন্দা কোয়চৎ চৎপীনি য়ৌনিংবা মফমদা য়ৌবীনি

ঐগা লোয়ননা, চৎনিংবা মফমদা চত্নুনা থোইনা নুংঙাইবা ফংবিয়ু ॥৩১॥

ভীমনা হায়রকই—হিংচাবী! মশা মথন্তবু অমদি অতোপ্পবু ভাকপা ওস্মি হায়ত্তনস্থ করম্বা নিপানা মমাবু অমদি মচিনমনাওবু থাদোকপগে ॥৩২॥ ঐগুম্বা করম্বা নিপানা অসিগুম্বা ফিবমদা লৈরগা অপাম মুংশিগী ব্রাথম্না শাওখিদুনা, তুমদুনা লৈরিবা মমা অমদি মচিনমনাওবু হিংচাবগী চিন্নাক ওইহনলম্নগা চৎখিগদগে? ॥৩৩॥ হিড়িম্বানা হায়রকই—নহাক্না পাম্বা অমদা তৌজগে; তুম্মিবা ময়াম অসিবু হৌদোকপিয়ু; মীশা চাবা হিংচাবা অহগী মচিন্দগী ঐ ময়াম্বু শোয়দনা কনজগে ॥৩৪॥ ভীমনা হায়রকই—হিংচাবগী শাগৈদা পোক্লবী! করম্বা নবুং হিংচাবা অহবু কিবদগী তুমদুনা লৈরিবী ইমাবু অমদি ইচিন ইনাওশিংবু হৌদোকপা ঙমলোই ॥৩৫॥ ফিগম্নবী! মিত্তা কজবী। হিংচাবশিংনা ঐগী ইথৌনা-ইপাঙ্গনবু থাবা ঙমলোইদবনি; মীওইবা, গন্ধর্ব্ব অমদি

গচ্ছ বা তিষ্ঠ বা ভদ্রে! যদ্যদীচ্ছসি তৎ কুরু। তং বা প্রেষয় তন্বঙ্গি! ভ্রাতরং পুরুষাদকম্ ॥৩৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি হৈড়িম্বে
ভীমহিড়িম্বাসংবাদো নাম ষট্চত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(০):——

যক্কশিংমক্লস্ন্ ঐভোন্দা করিমতা তৌবা য়ারোই ॥৩৬॥ মরম অদুনা নিংথিজবী! অনৌবী! নৈগে নৈয়ু, চৎকে চৎখো, নত্রগা নংগী মীশা চাবা নবুংদো মকম অসিদগা কৌজকচো ॥৩৭॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতভা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেৎবা সংহিতা আদি-পর্ব্বদা হিড়িম্বদা ভীমহিড়িম্বা সংবাদ কৌবা চামগা নিফুমরিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(হিড়িম্বগী মতাংদা ভীমগা হিড়িম্বগা লাল শোরুবা)

(চামা নিফুভরেহ শুবা অধ্যায়)

——:(†):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তাং বিদিত্বা চিরগতাং হিড়িম্বো রাক্ষসেশ্বরঃ। অবতীর্য্য দ্রুমাত্তস্মাদাজগামাশু পাণ্ডবান্ ॥১॥

লোহিতাক্ষো মহাবাহুরূর্দ্ধকেশো মহাননঃ। মেঘসংঘাতবর্ষ্মা চ তীক্ষ্ণদংষ্ট্রো ভয়ানকঃ ॥২॥

তমাপতন্তং দৃষ্ট্বৈব তথা বিকৃতদর্শনম্। হিড়িম্বোবাচ বিত্রস্তা ভীমসেনমিদং বচঃ ॥৩॥

আপতত্যেষ দুষ্টাত্মা সংক্রুদ্ধঃ পুরুষাদকঃ। সাহং ত্বাং ভ্রাতৃভিঃ সার্দ্ধং যদ্ব্রবীমি তথা কুরু ॥ ৪ ॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— হিড়িম্বানা, চৎথিবায় কুইরে হায়বসি খংলদুনা, লাকমন্ত্রবদুদা হিংচাবা অখোইবা হিড়িম্ব হায়বা অদুনা উথক্কগী কুমথরক্কুনা থুন য়াংনা পাণ্ডবশিংন লৈরিবা মফম অদুদা লাকলে। মমিৎ অনি অদু ঙাংশং ঙাংঙি, মপাম্বোম অনি অদু য়াম্না চাউ শাংঙি, মশম পুম্নমক চপ চপ ফুনা লৈহৌই, মমায় অদু পাকথোক পাকই, মশাম্ব মুরবা নোংগী মতৌগুম্না মুত্তক মুই অদুগা ময়া পরেং অদু য়াম্না তুম্মি; মরম অদুনা য়েংঙু, য়েংঙু, খুদিংদা অকিবগী মশক ওইরবা মওং মতৌনা মাগী ওইবা হিংচাবসি লাকপা উবদা হিড়িম্বানা খোইদোক্লা কিশ্নদুনা ভীমসেনগী মফমদা হায়খি— মীশা চাবা পুকচেল যবপ্রবা হিংচাব আসে লাকলে। মরম অদুনা নহাকী অমদি অচিন্নাওনী মফম্কা চিন্না লৈরিবা নখোয়গী মফমদা এনা হায়রগদৌরিবা অসি শোয়দনা তৌবিয়ু

অহং কামগমা বীর! রক্ষোবলসমন্বিতা। আরুহেমাং মম শ্রোণিং নেষ্যামি ত্বাং বিহায়সা ॥৫॥
প্রতোধয়ৈতান্ সংসুপ্তান্ মাতরঞ্চ পরন্তপ!। সর্ব্বানেব গমিষ্যামি গৃহীত্বা বো বিহায়সা। ৬॥

ভীমসেন উবাচ।

মা ভৈষ্বং বিপুলশ্রোণি! নৈব কশ্চিন্ময়ি স্থিতে। হিংসিতুং শক্নুয়াদ্রক্ষ ইতি মে নিশ্চিতা মতি ॥৭॥
অহমেনং হনিষ্যামি প্রেক্ষন্ত্যাস্তে সুমধ্যমে!। নায়ং প্রতিবলো ভীরু! রাক্ষসাপসদো মম।
সোঢ়ুং যদি পরিস্পন্দমথবা সর্ব্বরাক্ষসাঃ ॥৮॥
পশ্য বাহূ সুবৃত্তৌ মে হস্তিহস্তনিভাবিমৌ। ঊরূ পরিঘসঙ্কাশৌ সংহতঞ্চাপ্যুরো মহৎ। ৯॥
বিক্রমং মে যথেন্দ্রস্য সাদ্য দ্রক্ষ্যসি শোভনে!। নাবমংস্থাঃ পৃথুশ্রোণি! মত্বা মামিহ মানুষম্ ॥১০॥

হিড়িম্বোবাচ।

নাবমন্যে নরব্যাঘ্র! ত্বামহং দেবরূপিণম্। দৃষ্টপ্রভাবস্তু ময়া মানুষেষ্বেব! রাক্ষসঃ॥ ১১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তথা সংজল্পতস্তস্য ভীমসেনস্য ভারত!। বাচঃ শুশ্রাব তাঃ ক্রুদ্ধো রাক্ষসঃ পুরুষাদকঃ ॥১২॥
অবেক্ষমাণস্তস্যাশ্চ হিড়িম্বো মানুষং বপুঃ। স্রগ্দামপূরিতশিখাং সমগ্রেন্দুনিভাননাম্ ॥১৩॥

॥৫—৪॥ হে অকনবা! ঐ অসি ঐনা নিংবা মতুং ইন্না চৎনিংবা মফমদা চৎপা ঙম্বী, য়ৌনিংবা মফমদা য়ৌবা ঙম্বী মুপী অমনি, অহগা হিংচাবগী পাঙ্গল অহমক পুদুনা লৈবীনি। অদুনা ঐগী নিংদু অসিদা কাখৎলকউ, ঐ নহাকপু আকাশগী লম্বীদা পুদুনা চৎকে ॥৫॥ নত্রগা তুমদনা লৈরিবী ইমা অসিবু অমস্নুং নচিন ননাওশিং অসিবু হৌদোকউ, ঐ ময়াম পুম্নমক পুদুনা অতিয়াদা পায়খিগে ॥৬॥ ভীমসেননা হায়খি— শাওং শাদা ফজরবী! নিংদু তাব ফজরবী! করিমতা কিগনু, ঐ লৈরিবৈদা কনাগুম্বা হিংচাবনা হাৎপা তুপ্পা করিমতা ঙম্মোই; মাসি ঐগী শোয়দ্রবা ব্রাথম্নি ॥৭॥ কিগল্লবী! নংগী নমাংমক্তদা নংগী নবুং হিংচাবসি হাৎকে, মরমদি ফত্রবা হিংচাবসে মানা ঐমুক থক কল্লম্মোই। হিংচাবা পুম্নমক্না অমতা ওইনা তিন্নরবদি ঐগী চৈফু খাংবা য়াই, অদু নত্তনদি হিংচাবা অমগকা-নদি ঐগী চৈফু খাংবা ঙম্মোই ॥৮॥ য়েংঙু্না নং ঐগী শামুগী মনাতোনগুম্না চাউরবা শাংলবা অদুগা তাংথক নাইদনা পুন্নবা পাম্বোম অনি অসে ফৈগন অনি অসিনা সুংগুকী মতৌগুম অদুগা ঐগী থবাক অসিনা পাক চাউদা উইরিবসি য়েংঙু ॥৯॥ ফজরবী! ছলিদি নংনা ঐগী ইন্দ্রগা মান্নরবা ইপাঙ্গল অসে উবা ফংলনিদো। মরম অদুনা নিংদু তাবা ফজবী। ঐবু তাইবং মীচমনি হায়দুনা খোঙইদবা তৌগনু ॥১০॥ হিড়িম্বানা হায়খি— হে মী অথোইবা! মহাক্তি দেবতাগী মশকনি, ঐনা মহাকপু থওইদবা নত্তে, অদুবু ঐদি হিংচাবা অসিগী শক্তি অদো মুমা থংলবনি অমদি উরবনি ॥১১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— ভীমনা হায়রিবা ঋাশিং অসি থুনা য়াংনা লাকলিবা হিংচাবা অদুনা তাখা মৈ হৌনা শাওখি ॥১২॥ হিড়িম্বনা অচল মুপী হিড়িম্বামা তোরমলিবা তাইবংমীগী শাওং শাদা পুদুনা লৈরবা অদু উরুরে— হিড়িম্বাগী মকোক্তা ফজরবা লৈগী পরেং অমা শিরি, মাইথোং অদো মপুং ফারবা থাগী মতৌগুম্না লিংখিজয়ি; পীগুম অনি তারকপা, মতোন তারকপা, মফিৎ অদি

শুভ্র-নাসাক্ষি-কেশান্তাং সুকুমারনখত্বচম্ । সর্ব্বাভরণসংযুক্তাং সুসূক্ষ্মাম্বরধারিণীম্ ॥১৪॥

তাং তথা মানুষং রূপং বিভ্রতীং সুমনোহরম্ । পুংস্কামাং শঙ্কমানশ্চ চুক্রোধ পুরুষাদকঃ ॥১৫॥

স ক্রুদ্ধো রাক্ষসস্তস্যা ভগিন্যাঃ কুরুসত্তম ! । উৎফাল্য বিপুলে নেত্রে ততস্তামিদমব্রবীৎ ॥১৬॥

কো হি মে ভোক্তুকামস্য বিঘ্নং চরতি দুর্ম্মতিঃ । ন বিভেষি হিড়িম্বে ! কিং মৎকোপাদ্বিপ্রমোহিতা ॥১৭॥

ধিক ত্বামসতি ! পুংস্কামে ! মম বিপ্রিয়কারিণি ! । পূর্ব্বেষাং রাক্ষসেন্দ্রাণাং সর্ব্বেষাময়শস্করি ! ॥১৮॥

যানিমানাশ্রিতাঽকার্ষীর্বিপ্রিয়ং সুমহন্মম । এষ তানদ্য বৈ সর্ব্বান্ হনিষ্যামি ত্বয়া সহ ॥১৯॥

এবমুক্ত্বা হিড়িম্বাং স হিড়িম্বো লোহিতেক্ষণঃ । বধায়াভিপপাতৈষাং দন্তৈর্দন্তানুপস্পৃশন্ ॥২০॥

তমাপতন্তং সম্প্রেক্ষ্য ভীমঃ প্রহরতাং বরঃ । ভর্ৎসয়ামাস তেজস্বী তিষ্ঠ তিষ্ঠেতি চাব্রবীৎ ॥২১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ভীমসেনস্তু তং দৃষ্ট্বা রাক্ষসং প্রহসন্নিব । ভগিনীং প্রতি সংক্রুদ্ধমিদং বচনমব্রবীৎ ॥২২॥

কিং তে হিড়িম্ব ! এতৈর্ব্বা সুখসুপ্তৈঃ প্রবোধিতৈঃ । মামাসাদয় দুর্ব্বুদ্ধে ! তরসা ত্বং নরাশন ! ॥২৩॥

ময্যেব প্রহরৈহি ত্বং ন স্ত্রিয়ং হন্তুমর্হসি । বিশেষতোঽনপকৃতে পরেণাপকৃতে সতি ॥২৪॥

অমদি মশম মনা পুক্লিং ছবা ফংনা নিংথিজহল্লি, খুজিল থুয়া মশা মউ তক তকহল্লি অমদি অনৌ অনৌ হল্লি, ফিজেৎ লৈতেং নিংথিনা তক তকনা শেৎ চারী। মহারাজ অদুম্না য়াম্না ফজবা তাইথং মীগী মশক লৌহুনা লৈরম্বা অদু উবদা নিপা অমগা লোয়ননা অপাম্ব সুংশিনী বাখল্দা চংখ্রোরে হায়দুনা হিড়িম্বনা থোইদোক্লা শাওখি ॥১৩—১৪॥ কুরু শাগৈগী অথোইবা মহারাজ! অদুগী মতুংদা হিড়িম্বনা মচল মুপী হিড়িম্বাগী মকমদা থোইনা শাওখিহনা, ভাংলবা পাক চাউরবা মমিৎ অনি অদু লাওথোক্লুনা হিড়িম্বাগী মকমদা বাসি হায়খি— ঐগী অসি য়োনা চাম্লবা চানিংলবা মতম অদিদা ফজরবা কনানো য়ৈথারবা পিরিবা? হিড়িম্বা! নংনা নিপা অসি উবদা শুগাৎথিদুনা ঐনা শাওগনি হায়বা খাঙবা কিক্রবনিকো? ॥১৬—১৭॥ হায়, তোল্লবী! ওক্লবী! নিপা পাম্বী! ঐনা রাজনা থবক তৌবী! ইপা ইপু অচৌ অচৌবা হিংচাবশিংগী শাগৈগী মিংচৎ থিহনবী!॥১৮॥ মহারাজ মখোয়শিংগী সহায় লৌদুনা ঐগী ইকমদা অকিবা লৈতনা ত্রমথিরবা অয়ানবা লমচৎ অমা চৎলিরসে নংগা লোয়ননা মখোয় পুম্নমক্কী হৌজিক লোইনা হাংকে খংগনি ॥১৯॥ হিড়িম্বনা হিড়িম্বাদা অসুম্না হায়রগা শাওবনা মমিৎ ইঙাং ভাংনা, ময়া ক্রক-ক্রক চিক্লুনা পাণ্ডবশিং অমুবু হাৎকে হায়দুনা চেনশিল্লক্রে ॥২০॥ লাল শোক্লবা ফুনবাশিংগী মশুংদা অথোইবা মরীন লৈরবা ভীমনা শাওনা চেনশিল্লক্লিবা মহাকপু উবদা অথিব অকনবা হায়হেনা— "লৈরম্মু, লৈরম্মু! ইমাংদগী চেনগনু"! অমুম হায়না লাউরকই ॥২১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মচল মুপীগী মকমদা থোইদোক্লা শাওরবা হিংচাবা অদু য়েংদুনা ভীমনা নোক্ল-নোক্লা বাহৈ অসি হায়রকই ॥২২॥ হিড়িম্ব! নয়াম অসিনা অসি য়োনা সুংগায়না তুমলিবৈ অসিদা ভংদুনা মখোয়বু তুম্বা কায়দুনা হৌগৎহনবনা কররি মহৈ ফংগনি? পংলবা হিংচাবা! ঐদা চাবা! লাও হয়গা ঐবু মপাজল থোক্লা কাজরো লাও ॥২৩॥ লাও, ঐহোক্লা হায়না য়ুক্লো! মুপীবু ইমাংদা ফুবা হাংদা য়াগোই, নংগী য়াংলবা মানা অসি তৌথি? নংগী য়াংলবা তৌবদি ঐসি ॥২৪॥

নহীয়ং স্ববশা বালা কাময়ত্যদ্য মামিহ। চোদিতৈষা হ্যনঙ্গেন শরীরান্তরচারিণা।
ভগিনী তব দুর্বৃত্ত! রক্ষসাং বৈ যশোহর! ॥২৫॥
ত্বন্নিয়োগেন চৈবেয়ং রূপং মম সমীক্ষ্য চ। কাময়ত্যদ্য মাং ভীরুস্তব নৈষাপরাধ্যতি ॥২৬॥
অনঙ্গেন কৃতে দোষে নেমাং গর্হিতুমর্হসি। ময়ি তিষ্ঠতি দুষ্টাত্মন্! ন স্ত্রিয়ং হন্তুমর্হসি ॥২৭॥
সঙ্গচ্ছস্ব ময়া সার্দ্ধমেকেনৈকো নরাশন!। অহমেকো নয়িষ্যামি ত্বামদ্য যমসাদনম্ ॥২৮॥
অদ্য মদ্বলনিষ্পিষ্টং শিরো রাক্ষস! দীর্য্যতাম্। কুঞ্জরস্যেব পাদেন বিনিষ্পিষ্টং বলীয়সঃ ॥২৯॥
অদ্য গাত্রাণি তে কঙ্কাঃ শ্যেনা গোমায়বস্তথা। কর্ষন্তু ভুবি সংহৃষ্টা নিহতস্য ময়া মৃধে ॥৩০॥
ক্ষণেনাদ্য করিষ্যেঽহমিদং বনমরাক্ষসম্। পুরা বদ্দূষিতং নিত্যং ত্বয়া ভক্ষয়তা নরান্ ॥৩১॥
অদ্য ত্বাং ভগিনী রক্ষঃ! কৃষ্যমাণং ময়াঽসকৃৎ। দ্রক্ষ্যত্যদ্রিপ্রতীকাশং সিংহেনেব মহাদ্বিপম্ ॥৩২
নিরাবাধাস্ত্বয়ি হতে ময়া রাক্ষসপাংসন!। বনমেতচ্চরিষ্যন্তি পুরুষা বনচারিণঃ ॥৩৩॥

হিড়িম্ব উবাচ।

গর্জ্জিতেন বৃথা কিন্তে কথিতেন চ মানুষ!। কৃত্বৈতৎ কর্ম্মণা সর্ব্বং কথেথা মা চিরংকৃথাঃ ॥৩৪॥
বলিনং মন্যসে যচ্চাপ্যাত্মানং সপরাক্রমম্। জ্ঞাস্যস্যদ্য সমাগম্য ময়াত্মানং বলাধিকম্ ॥৩৫॥

হে লমচৎ ফত্রবা। হিংচাবা পুম্নমক্কী মিংচৎ থিহল্লবা। মুপী মচা অসিনা ঙসি ঐঙোন্দা অপাম মুংশি উৎলিব্রসে মাগী দোষ নত্তে, তাইবং মীগী হকচাং মুংদা লৈরিবা কাম কৌবা লাইনা ইনশিন্নক-পদগী তৌবনি ॥২৫॥ মুপী মচা অসিনা নংগী য়াথং পুন্থুনা লাক্লগা অসি য়েবদা ঐগী ইশক উবদা মাগী থমোইদা অপাম মুংশি পোকখিবনি, অদুগা হৌজিক কাওবম্ন নংবু কিবা থাদোক্ত্রি, মরম অদুনা নংগী নকমদা মাগী অরানবা করিমতা লৈত্রি ॥২৬॥ দোষদি কাম হায়বা লাই অদুগীনি, ওম্নগা মাবু চৈস্নু মাবু নক্কংলু, মাবু ফুত্থুনা হাৎলু। হায়, পুকচেল ফত্রবা। ঐ লৈরিঙৈদা ঐগী মাংদা মুপীবু ফুবা চৈবা থক য়ারোই ॥২৭॥ মীশা চাবা। নংস্থ নথস্তনি, ঐস্নু ইথন্তনি লাও, ঐগা থেংনসি লাও। ঙসি ঐ ইথন্তনা নংবু যমালয়দা থাবিগে লাও। ॥২৮॥

হিংচাবা। কল্লবা শামু মথোংমুক চাউরবা পাম্বোম অসিনা নংগী নকোক অদু চপথায়রুনা উফুল ওইনা তাহনগে ॥২৯॥ নংবু হাৎলগা লৈমাই থক্তা ওলথোইরবা নংগী হকচাং অসে খুমুখ্রুং লংজা, লমহুই পুম্নমক্লা হরাউ তয়াম্না চিং-চিংথুনা খস্তুনা চাশন্নু ॥৩০॥ ঙসি মিকুপ অমগী মম্লংদা বন অসিদা হিংচাবা অমতা লৈহল্লমলরোই। নথোয় হিংচাবনা তাইবং মীবু চা-চাথুনা বন অসিবু মাংথোক্লে ॥৩১॥ হিংচাবা। নোংশানা চাউরবা শাম্নবু লুশমদা লাক্তুনা চিংবা অদুগুম চীংগী মতৌগুম চাউরবা নহাকপু ঙসি ঐনা হজৎ হন্দা লৈমায়থক্তা চিংগনি; নংগী নচন মুপীনা মমিৎ থিংনা উজগনি ॥৩২॥ তোল্লবা হিংচাবা। নঙ্গু হাত্তোক্লবতদা বন অসিদা লৈজরিবা তাইবংমী শা, উচেক পুম্নমক্লা মনিং মথা তৌনা মুংঙায়না লৈজহৌরগনি ॥৩৩॥ ভীমগী ৱা তাবদা হিড়িম্বনা হায়খি—হায় মী। অরেম্বদা লাওরগা করি মহৈ ফংগনি। নশা নথস্তবু থাগৎচরগা করি কাম্নগনি? নচিন্না ঙাংলি শকলিবদো থবক্তা উৎলগা তুংদা নশাবু থাগৎচৌ; খিনগন্নু ॥৩৪॥ নংনা নশাবু

ন তাবদেতান্ হিংসিষ্যে স্বপন্ত্বেতে যথাসুখম্ । এষ ত্বামেব দুর্বুদ্ধে ! নিহন্ম্যদ্যাপ্রিয়ংবদম্ ॥৩৬॥
পীত্বা তবাসৃগ্গাত্রেভ্যস্ততঃ পশ্চাদিমানপি । হনিষ্যামি ততঃ পশ্চাদিমাং বিপ্রিয়কারিণীম্ ॥৩৭॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

এবমুক্ত্বা ততো বাহুং প্রগৃহ্য পুরুষাদকঃ । অভ্যদ্রবত সংক্রুদ্ধো ভীমসেনমরিন্দমম্ ॥৩৮॥
তস্যাভিদ্রবতস্তূর্ণং ভীমো ভীমপরাক্রমঃ । বেগেন প্রহিতং বাহুং নিজগ্রাহ হসন্নিব ॥৩৯॥
নিগৃহ্য তং বলাদ্ভীমো বিস্ফুরন্তং চকর্ষ হ । তস্মাদ্দেশাদ্ধনূংষ্যষ্টৌ সিংহঃ ক্ষুদ্রমৃগং যথা ॥৪০॥
ততঃ স রাক্ষসঃ ক্রুদ্ধঃ পাণ্ডবেন বলার্দ্দিতঃ । ভীমসেনং সমালিঙ্গ্য ব্যনদদ্ভৈরবং রবম্ ॥ ৪১॥
পুনর্ভীমো বলাদেনং বিচকর্ষ মহাবলঃ । মা শব্দঃ সুখসুপ্তানাং ভ্রাতৄণাং মে ভবেদিতি ॥ ৪২॥
অন্যোন্যং তৌ সমাসাদ্য বিচকর্ষতুরোজসা । হিড়িম্বো ভীমসেনশ্চ বিক্রমং চক্রতুঃ পরম্ ॥৪৩॥
বভঞ্জতুস্তদা বৃক্ষাংল্লতাশ্চাকর্ষতুস্তদা । মত্তাবিব চ সংরব্ধৌ বারণৌ ষষ্টিহায়নৌ ॥৪৪॥

নথোনা নপাঙ্গন কল্লি হায়গনা খঙ্গুরিবদো ওসি ঐগা থেংনরগা থাংগৈশেংনা কল্লি কন্দে হায়বদো থংজগনি ॥৩৫॥ তুমত্তুনা লৈরিবশিং অসিদি হান্না হাৎলোই, মথোয়দি নুঙ্গায়না তুমজখিসনু, অপংবা, চিঙ্গিবা নংবু হান্না হেক্তা হাৎলগা লোইরে ॥৩৬॥ অহানবদা নংগী হকচাং মসুংদগী ঈ খুজোক খুজোক থকনি, অদুগী তুংদা তুমলিবশিং অসিসু হাৎকনি, অদুগী তুংদা ঐনা পামদবা থবক তৌবী ওক্কবী হিডিম্বা অসিবু হাৎকনি ॥৩৭॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— অসি হায়রুনা হিড়িম্বনা থোইদোকনা শাওদুনা মপাম্বোম অনি তিংথোক্লুনা য়েক্নবা পুম্বা ওমলবা ভীমবু ফাগে কোনগে হায়না চেনাশল্লক্রে ॥৩৮॥

হিড়িম্বনা কন্না চেনল্লিক্লুনা মপাম্বোম অনিদু হেক তিংথোকপা অদুদা, অকিবা ফংনা কল্লবা ভীমসেননা নোক্ল-নোক্লা মপাম্বোম অনিদু তাপ ফাদুনা ফাজিন্দুনা থমখি ॥৩৯॥ মতম অদুদা হিড়িম্বনা নাম্বোক্কদবগী মক্তুনা থেক্তুনা হোৎনবা অদুদা, নোংশানা অপিকপা শজিবু কোয়চিং-চিংদুনা পূবা অদুগুম্না কল্লবা ভীমসেননা হিংচাবা অদুবু কন্না মফম অদুদগী খুদুপ কুন্থ্রানিথোই লাপ্না শ্রোং-শ্রা লাকতুনা চিংদুনা পূখি ॥৪০॥ অদুগী তুংদা ভীমনা নৈহৎলকপা অদুদা ঋারবা শাওরবা হিড়িম্বনা ভীমবু মপাম্বোম অনিনা কোন্দুনা অকিবা ফংবা খোল্লেম্না লাউরকই ॥৪১॥ মাগী খোঞ্জেল অদুনা মুংগায়না তুমদুনা লৈরিবা মমা অমদি মচিনমনাওশিংগী তুম্বদা কায়বা ভারে হায়দুনা মপাঙ্গল কল্লবা ভীমনা মহাকপু অসুক য়ামনা লাপনা চিংথোক্লুনা পুথোকখ্রে ॥৪২॥ মতম অদুদা ভীমগা হিড়িম্বগা অনি অসি পাম্বোম—পাম্বোম পায়নদুনা ইম্বোক-ইনশিন তৌনদুনা মাগী মাগী মপাংগল উৎনরকলে ॥৪৩॥ চহি হুম্ফু চংলকলবা, মপুং কানা পাথং ফারকলবা, ময়াই কান্নবা, শাওরবা শামু অনিনা য়াথিন্নরকপগুম হৈপাগ, লৈপাল পুম্বা ফুকতুনা হায়থনরকলে, নাপী-শিংবী, উরী ঋারি পুম্বা নৈথেকরকলে ॥৪৪॥ মখোয়গী ফুনবগী, চৈনবগী, ওংনবগী খোল্লেম্না কুন্তী

ততঃ শঙ্খেন মহতা বিবুদ্ধাস্তে নরর্ষভাঃ। সহ মাত্রা চ দদৃশুর্হিড়িম্বামগ্রতঃ স্থিতাম্ ॥৪৫॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি হৈড়িম্বে
ভীমহিড়িম্বযুদ্ধে সপ্তচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—·(0)—

অমদি যুধিষ্ঠিরনচিংবশিং অহু ইথব-থকনা হৌগৎলকপদা মনাক্তা লেপতুনা লৈরম্বী হিড়িম্বাবু উথি ॥৪৫॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংব সংহিতাদা আদি পর্ব্বদ হৈড়িম্বদা, ভীম হিড়িম্বযুদ্ধদা চামাগা নিফুতবেং শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(হিড়িম্বগী মতাংদা ভীমন হিড়িম্ব হাৎপা)
(চামা নিফুনিপাল শুবা অধ্যায়)

——:(০):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

প্রবুদ্ধাস্তে হিড়িম্বায়া রূপং দৃষ্ট্বাতিমানুষম্। বিস্মিতাং পুরুষব্যাঘ্রা বভূবুঃ পৃথয়া সহ ॥১॥
ততঃ কুন্তী সমীক্ষ্যৈনাং বিস্মিতা রূপসম্পদা। উবাচ মধুরং বাক্যং সান্ত্বপূর্ব্বমিদং শনৈঃ ॥২॥
কস্য ত্বং সুরগর্ভাভে! কা বাহসি বরবর্ণিনি!। কেন কার্য্যেণ সম্প্রাপ্তা কুতশ্চাগমনং তব ॥৩॥
যদি বাহস্য বনস্য ত্বং দেবতা যদি বাহপ্সরাঃ। আচক্ষ্ব মম তৎ সর্ব্বং কিমর্থং চেহ তিষ্ঠসি ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— নিপা মবক্তগী অপোইবা যুধিষ্ঠিরনচিংবা পাণ্ডবশিংনা মমা কুন্তীগা লোয়ননা হৌগৎলক্তুনা হিড়িম্বাগী তাইবংমীগী মশক্তগী থোইনা হেন্না ফজ্রখ্রবা মশক অহু উবদা, পুমক্তক ঙকখি ॥১॥ অতুগী তুংদা কুন্তীনা হিড়িম্বাবু উবদা, মংগী মশকপু উবদা পুমক্তক ঙকখ্রুনা, অতপ্না ৱাইহেনা য়ামনা মুংশিনা তপ্ন তপ্না হায়রকই ॥২॥

লাইরেনবীগা মান্নবী, ফজবী নংবু ক নানো ?
কনাগী কনানা পোকপীনো ? কদায়দগী করম্না লাক্কুনা,
মফম অসিদা লৈররিবা। করি নিংবা লৈহনা
মফম অসিদা লাক্লিবা ? ॥৩॥ বন অসিগী মপু লাইরেনবীরা ?
মস্ত্রগা স্বর্গগী অপ্সরারা ? করিগী অচিকপা বন অসিদা

হিড়িম্বোবাচ।

যদেতৎ পশ্যসি বনং নীলমেঘনিভং মহৎ। নিবাসো রাক্ষসস্যৈষ হিড়িম্বস্য মমৈব চ ॥ ৫ ॥
তস্য মাং রাক্ষসেন্দ্রস্য ভগিনীং বিদ্ধি ভাবিনি। ভ্রাত্রা সম্প্রেষিতামার্য্যে সপুত্রাং ত্বাং জিঘাংসতা ॥৬॥
ক্রূরবুদ্ধেরহং তস্য বচনাদাগতা ত্বিহ। অদ্রাক্ষং নবহেমাঙ্গং তব পুত্রং মহাবলম্ ॥ ৭ ॥
ততোঽহং সর্বভূতানাং ভাবে বিচরতা শুভে। চোদিতা তব পুত্রস্য মন্মথেন বশানুগা ॥ ৮ ॥
ততো বৃতো ময়া ভর্ত্তা তব পুত্রো মহাবলঃ। অপনেতুঞ্চ যতিতো ন চৈব শকিতো ময়া ॥৯॥
চিরায়মাণাং মাং জ্ঞাত্বা ততঃ স পুরুষাদকঃ। স্বয়মেবাগতো হন্তুমিমান্ সর্বাংস্তবাত্মজান্ ॥১০॥
স তেন মম কান্তেন তব পুত্রেণ ধীমতা। বলাদিতো বিনিষ্পিষ্য ব্যপনীতো মহাত্মনা ॥১১॥
বিকর্ষন্তৌ মহাবেগৌ গর্জমানৌ পরস্পরম্। পশ্য ত্বং যুধি বিক্রান্তাবেতৌ চ নররাক্ষসৌ ॥১২॥

শাক্লিবা হায়মু শকহেনবী ॥৪॥

হিড়িম্বনা হায়খি—

মূরবা নোংগী মতৌগুম, শুক্লবা-মল্লবা বন'সে,
হিড়িম্ব কৌবা হিংচাবগী, লমনি ইমা! খংবিয়ু।
হিড়িম্ব হায়বদো ইবুংনি বন অসি ঐখোয়গী লৈকমনি ॥৫॥
হিংচাব অথোইবা হিড়িম্বগী, মচনপুপীনি ঐহাক্তি।
ইমাগা নোয়ননা নচাশিংবু, হাৎলুচো হায়দুনা থারকপনি,
যত্রবা ইবুং হিংচাবনা ॥৬॥ তমখিরবা পুকচেল যত্রবা,
হিংচাবগী যাথং পুদুনা, মফম অসিদা লাকপদা,
সনা যুদোংবগুম ফজবা, পাঙ্গল পোইনা কল্লবা,
মতিক মগুণ চাউরবা, নচাবু ঐনা উকরে ॥৭॥

জীব পানবগী থমোইদা তত্তনা চত্তুনা লৈরিবা অপাম মুংশি কৌবা লাইঙগী মথা পোনখিবনা ঐহাকসি, নচাগী মথা পোনখ্রে ॥৮॥ নচাবু উবদা শুদ্ধাৎলি, ইকায় ইকি হুন্দোক্তুনা শাঙ্গল্লবা নচাগী মমথদা, থম্বাই হকচাং কৎথোকচখ্রে, অসিদগী পুথোকে হোৎনববু, অয়েম্বা ওইখ্রে, তমহৌদ্রে ॥৯॥

ঐনা লাকমজ্রবহৃদা, শাউরবা ইবুং অসিনা,
নচাশিং পুম্বা'সিবু হাৎকে হায়রগা মশামক অসিদা লাক্লমমি ॥১০॥
শিংলবা কল্লবা নচামা, ঐগী ইপুরোইবনা,
কল্লবা হিংচাবা অদুনা, নমহুনা চিংদুনা খেক্তুনা পুথি,
মফম অসিদগী লাপখ্রে ॥১১॥ য়েংবিয়ু অনা তৌরিবসে,
মীগা হিংচাবগা অনিনা পাম্বোম পাম্বোম শান্নদুনা,
কংল লাউরদুনা ফুনরিবাসে মশাঙ্গনথেরা রৈনহিসে ॥১২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তস্যা' শ্রুত্বৈব বচনমুৎপপাত যুধিষ্ঠিরঃ। অর্জ্জুনো নকুলশ্চৈব সহদেবশ্চ বীর্য্যবান্ ॥১৩॥
তৌ তে দদৃশুরাসক্তৌ বিকর্ষন্তৌ পরস্পরম্। কাঙ্ক্ষমাণৌ জয়ঞ্চৈব সিংহাবিব বলোৎকটৌ ॥১৪॥
অথান্যোন্যং সমাশ্লিষ্য বিকর্ষন্তৌ পুনঃ পুনঃ। দাবাগ্নিধূমসদৃশং চক্রতুঃ পার্থিবং রজঃ ॥১৫॥
বসুধা রেণু সংবীতৌ বসুধাধর সন্নিভৌ। বভ্রাজতুর্যথা শৈলৌ নীহারেণাভিসংবৃতৌ ॥১৬॥
রাক্ষসেন তদা ভীমং ক্লিশ্যমানং নিরীক্ষ্য চ। উবাচেদং বচঃ পার্থঃ প্রহসন্ শনকৈরিব ॥১৭॥
ভীম! মা ভৈর্মহাবাহো! ন ত্বাং বুধ্যামহে বয়ম্। সমেতং ভীমরূপেণ রক্ষসা শ্রমকর্ষিতম্ ॥১৮॥
সাহায্যেঽস্মি স্থিতঃ পার্থঃ পাতয়িষ্যামি রাক্ষসম্। নকুলঃ সহদেবশ্চ মাতরং গোপয়িষ্যতঃ ॥১৯॥

ভীমসেন উবাচ।

উদাসীনো নিরীক্ষস্ব ন কার্য্যঃ সম্ভ্রমস্ত্বয়া। ন জাত্বয়ং পুনর্জীবেন্মদ্বাহ্বন্তরমাগতঃ ॥২০॥

অর্জ্জুন উবাচ।

কিমনেন চিরং ভীম! জীবতা পাপরক্ষসা। গন্তব্যে ন চিরং স্থাতুমিহ শক্যমরিন্দম! ॥২১॥
পুরা সংরজ্যতে প্রাচী পুরা সন্ধ্যা প্রবর্ত্ততে। রৌদ্রে মুহূর্ত্তে রক্ষাংসি প্রবলানি ভবন্ত্যুত ॥২২॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— হিড়িম্বাগী ৱা অসি তাবদা মপাঙ্গন কল্লবা যুধিষ্ঠির, অর্জ্জুন, নকুল অমদি সহদেব মরি ফুক ফুক হৌগত্তুনা য়েংলকই ॥১৩॥ মপাঙ্গন্না ময়াই নাপল কারবা নোংশা অনিগী মতৌগুম ভীম হিড়িম্ব অনিনা, অমগা অমগা চিংনত্তুনা, অমনা অমবু শুমনিংত্তুনা, ফুনত্তুনা লৈবদো মখোয়না উখি ॥১৪॥ মতম অসিদা মখোয় অনিনা লাক্লত্থনা অমনা অমুক মথক-থং, অমনা অমুক মথক থং, অসুম্না নমনরকপা অত্তুদা হৌরকপা উফুল মপৈনা লমমৈগী মৈখুনা কারকপগুম উফুলগী মপৈনা কায়গৎলক্লে ॥১৫॥ মতম অত্তুদা চীংত্তুম চীংত্তমমুক চাউরবা, ভীমসেন হিড়িম্ব অনিসি উফুলনা পুমকুপ কুপখিবত্তুদা, উম্না কুপ্না চীংত্তুম অনিগুম থোইনা হেন্না নিংথিখি ॥১৬॥ হিড়িম্বনা ভীমবু নৈহৎলকপদা, ৱারপ তৌঁরবা ভীমবু উবদা অর্জ্জুননা নোক্ল নোক্লা তপ্ন তপ্না ৱাসি হায়রকই ॥১৭॥

য়াম্মু'য়াইমা! কল্লবা ভীমসেন! কিবিনু; কিবিহু! অকিবগী মশক ফংলবা হিংচাবা অহৃগা থেংনবদা ৱাররবা ৱাত্রিবরা হায়বসি ঐখোয় থংবা ভনদ্রে ॥১৮॥ ঐ অর্জ্জুননি। য়াম্মুংগীদমক্তা মতেং পাংননবা শেম শারি; ঐ হিংচাব অত্থবু তুহনগে, নকুল সহদেব অনিনা ইমাবু সংহৌত্তুনা লৈহৌসনু ॥১৯॥ ভীমনা হায়রকই—অর্জ্জুন! পাখৎকনু—পাখৎকনু! করিমত্তা থৌশাদনা ভাবুক ওইহনা য়েংহনা অত্থমক মরৈয়ু। হিংচাব অসে ঐগী পাম্বোম অনি অসিনা চপত্তুনা থমলি। অহনা মহাক থক ঐগী ইথুত্তগী নাম্বোক্তুনা হিংলরোইদবনি ॥২০॥ অর্জ্জুননা হায়রকই—য়াম্বুং! অত্থুদি পাপ চেন্নবা হিংচাবত্থ কুইনা থম্বগী করি কান্নরি? ঐখোয় মকম অসিদা কুইনা লৈবা কত্তে; থুনা য়াংনা চৎখোকখিগদবনি ॥২১॥ অহাক নৈরগা নোংপোক চীংথে পাংবা চীংথে হুলকলনি, অহিং-হুংখিল শিন্নকম মতম য়োক্লকলে। অহৃগুবা মতমবু রৌদ্রমুহূর্ত্ত কৌবা মতম

ত্বরস্ব ভীম ! মা ক্রীড় জহি রক্ষো বিভীষণম্ । পুরা বিকুরুতে মায়াং ভুজয়োঃ সারমর্পয় ॥২৩॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

অর্জ্জুনেনৈবমুক্তস্তু ভীমো রোষাজ্জ্বলন্নিব । বলমাহারয়ামাস যদায়োর্জগতঃ ক্ষয়ে ॥২৪॥

ততস্তস্যাম্বুদাভস্য ভীমো রোষাত্তু রক্ষসঃ । উৎক্ষিপ্যাভ্রাময়দ্দেহং তূর্ণং শতগুণং তদা ॥২৫॥

ভীমসেন উবাচ ।

বৃথা মাংসৈর্বৃথা পুষ্টো বৃথা বৃদ্ধো বৃথামতিঃ । বৃথা মরণমর্হস্ত্বং বৃথাদ্য ন ভবিষ্যসি ॥২৬॥

ক্ষেমমদ্য করিষ্যামি যথা বনমকণ্টকম্ । ন পুনর্মানুষান্ হত্বা ভক্ষয়িষ্যসি রাক্ষস ! ॥২৭॥

অর্জ্জুন উবাচ ।

যদি বা মন্যসে ভারং ত্বমিমং রাক্ষসং যুধি । করোমি তব সাহায্যং শীঘ্রমেব নিপাত্যতাম্ ॥২৮॥

অথবাঽপ্যহমেবৈনং হনিষ্যামি বৃকোদর ! । কৃতকর্ম্মা পরিশ্রান্তঃ সাধু তাবদুপারম ॥২৯॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

তস্য তদ্বচনং শ্রুত্বা ভীমসেনোঽত্যমর্ষণঃ । নিষ্পিষ্যৈনং বলাদ্ভূমৌ পশুমারমমারয়ৎ ॥৩০॥

স মার্য্যমাণো ভীমেন ননাদ বিপুলং স্বনম্ । পূরয়ংস্তদ্বনং সর্ব্বং জলার্দ্র ইব দুন্দুভিঃ ॥৩১॥

বাহুভ্যাং যোক্ত্রয়িত্বা তং বলবান্ পাণ্ডুনন্দনঃ । মধ্যে ভঙ্ক্ত্বা মহাবাহুর্হর্ষয়ামাস পাণ্ডবান্ ॥৩২॥

মসুংদা হিংচাবশিংনা য়ামনা মপাঙ্গন কনবা হেল্লি ॥২২॥ অদুনা য়াম্না ! থবক থুজিনবিয়ু, সুংঙাইদুনা শাম্নবিরসু, অকিবা ফংলবা ফত্রবা হিংচাবদো লোইথোকপিরো , নত্রবদি ওহাক লৈরবদি হিংচাবগী মায়া তৌবা হৌরক্লনি । অদুনা পাম্বোম অনিদুদা পাঙ্গন লোয়না হাপতুনা থবক থুনা পাংথোকপিরো ॥২৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি—অর্জ্জুননা অসুম হায়রবদা ভীমসেননা শাওবনা মৈ হৌরদুনা পাম্বোম অনিনা প্রলয়গী মতমদা শিংপা সুংশিৎকী শাফুগী মতৌগুম হিংচাবগী মথক্তা কাখৎখ্রে ॥২৪॥ অদুগী তুংদা অশাওবগা লোয়ননা ম্বাং চাউরবা মুরবা হিংচাবগী মশা অদু পাম্বোম অনিনা ম্বাংনা থাংগৎলকতুনা হাম্নদগী শকক চাম হেন্না উক-ক লৈরকলে ॥২৫॥ লৈন লৈনা ভীমসেননা হায়রকই—মীশা চাহনা শাহিংতনা কনবা শারিবা হায় ! হিংচাবা ! নংনসু অরেম্বদা নশা নউ ফব শারি, হৈশিংবা শারি , অদুনা অরেম্বদা কনবনিনা অরেম্বদ', মীগী করি কাম্নবা তৌরমদনা শিবনা চুমই ; নং ঙসিদি শিবা শোয়ত্রবনি ॥২৬॥ ঙসি ঐনা নংবু হাৎলগা বন অসি অকিবা অখংবা লৈহন্দহনা লৈবাক অসিগী মঙ্গল ওইনবা থবক তৌরমলগে । হিংচাবা ! ঙসিদগী নং মী চাবা ফংলরোইদো ॥২৭॥ অর্জ্জুননা হায়রকই—য়াম্বুং ! হিংচাবদু অসুম থাঙ্গং-তুনা লৈবদু লুম্নবদু ঐ লাকচগে ভাহাক পোথাবিয়ু মাবু থাংথবিরম্মু ॥২৮॥ নত্রগা ঐ হেকমক লোইথোকচয়গে , ঙসায় মথৈ থবক পুমনমক অসি তৌবিরকপদা ম্বাবিয়নি ; অদুনা ভহাক্তং পোৎ-থাবিরো য়াম্বুং ॥২৯॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—অর্জ্জুনগী ম্বা তাবদা ভীমসেননা ইকায়বা শাওনিংবগা লোয়ননা হিড়িম্ববু য়ামনা কন্না লৈমাই থক্তা থাদহনা নৈহন্নুনা শা-গুম হাৎপগুম হাত্তোকখি ॥৩০॥ ভীমনা হিড়িম্ববু হেক হাৎপা মতম অসিদা বনগী মায়কৈ পুম্নমক অহু টৈশিং মরিক-মরিকনা চোৎলবা পুংজাউগী খোঙ্গলগুম পুমনিল নিলখি ॥৩১॥ মপাঙ্গল কনবা ভীমসেননা মখুৎ অনিনা হিংচাবগী অহগী

হিড়িম্বং নিহতং দৃষ্ট্বা সংহৃষ্টাস্তে তরস্বিনঃ। [illegible] ভীমসেনমরিন্দমম্ ॥[illegible]॥
অভিপূজ্য মহাত্মানং ভীমং ভীমপরাক্রমম্। পুনরেবার্জ্জুনো বাক্যমুবাচেদং বৃকোদরম্ ॥৩৪॥
ন দূরে নগরং মন্যে বনাদস্মাদহং বিভো ! । শীঘ্রং গচ্ছাম ভদ্রং তে ন নো বিদ্যাৎ সুযোধনঃ ॥৩৫॥
ততঃ সর্ব্বে তথেত্যুক্ত্বা মাত্রা সহ মহারথাঃ। প্রযযুঃ পুরুষব্যাঘ্রা হিড়িম্বা চৈব রাক্ষসী ॥৩৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
হৈড়িম্বে হিড়িম্ববধো নামৈকচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥১॥

—:(*):—

মকোক্তনা মতম [illegible] অনি [illegible] [illegible] [illegible] হৎলমা মরাইখিমাসো [illegible] [illegible] অমদি মচিনমনাও পাণ্ডবশিংবু নুংভায়হনখি ॥৩২॥ মতম অতুদা কমলা পাণ্ডবশিংনা হিড়িম্ব হিংচাবনা শিবদু উবদা নুংচায়শিংনা য়েকনবা ওমলবা, নিশাগী মতুংদা মীথোই মীহেনবা ভীমবু মচিনমনাও শিংনা কোনখি, থাগৎখি ॥৩৪॥ অদুগী তুংদা অর্জ্জুননা অকিবা যানা [illegible]; পুরুষেল চাউরবা ময়াম্বুং ভীমসেনগী লেখা লাংবা ওহাক ভৌরগা যাম্বি হায়রকই—ঙামবুং! ঐনা অসুম খনবদা বন অসিদগী মী তাবা নগর অসি কয়া য়াপত্রমদ্রে, অদুনা ঐখোয় অসিদা কুইবা য়ারে; নত্রবদি দুর্য্যোধননা থংলকলবদি কয়া খুদোং চারোই, অহনা মহাক খংত্রিরোই থুনা চৎলোবনা চুসই. য়ামবুংগী মঙ্গল ওইসনু ॥৩৫॥ "মরে অদুমওয়রে" অসুম হায়দুনা মীথোই মীহেনবা মহারথী পাণ্ডবশিং অদো মমা কুন্তীগা লোয়ননা মকুম অতুনী চৎখি; হিড়িম্বা কৌবী রাক্ষসী অদুসু মমামগী মতুং ইন্দুনা চৎখি ॥৩৬॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা হেংবা সংহিতাদা, আদি পর্ব্বদা হিড়িম্ব কৌবা মতাংদা হিড়িম্ববধ কৌবা চামথানিপাল [illegible] অধ্যায় লোইরে ॥১॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

(ঘটোৎকচ পোকপগী মতাং)
(চামথানিপাল [illegible] অধ্যায়)

—:(*):—

ভীমসেন উবাচ।

স্মরন্তি বৈরং রক্ষাংসি মায়ামাশ্রিত্য মোহিনীম্। হিড়িম্বে ! ব্রজ পন্থানং ত্বমিমং ভ্রাতৃসেবিতম্ ॥১॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

ক্রুদ্ধোঽপি পুরুষব্যাঘ্র ভীম ! মা স্ম স্ত্রিয়ং বধীঃ। [illegible] পালয় ॥২॥

ভীমনা হায়খি—হিংলাবা হায়বা অাং অসিনা মীবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থোক, শীংনৈ। অদুনা হিড়িম্বা মহাকতু মনুংদা চৎশিল্লক [illegible] ॥১॥ [illegible]

যথা[illegible] মহাবনম্ । [illegible] ভগিনী কিং নঃ ক্রুদ্ধা করিষ্যতি ॥৩॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

হিড়িম্বা [illegible]ঃ কুন্তীম[illegible] । যুধিষ্ঠিরঞ্চ কৌন্তেয়মিদং বচনমব্রবীৎ ॥৪॥
আর্য্যে ! জানাসি যদ্দুঃখমিহ স্ত্রীণামনঙ্গজম্ । তদিদং মামনুপ্রাপ্তং ভীমসেনকৃতং শুভে ! ॥৫॥
সোঢ়ং তৎ পরমং দুঃখং ময়া কালপ্রতীক্ষয়া। সোঽয়মভ্যাগতঃ কালো ভবিতা মে সুখোদয়ঃ ॥৬॥
ময়া হ্যুৎসৃজ্য সুহৃদঃ স্বধর্ম্মং স্বজনং তথা। বৃতোঽয়ং পুরুষব্যাঘ্রস্তব পুত্ত্রঃ পতিঃ শুভে ! ॥৭॥
বীরেণাহং তথানেন ত্বয়া চাপি যশস্বিনি ! প্রত্যাখ্যাতা ন জীবামি সত্যমেতদ্ব্রবীমি তে ॥৮॥
তদর্হসি কৃপাং কর্ত্তুং ময়ি ত্বং বরবর্ণিনি ! । তস্মাৎ মূঢ়েতি মত্বা ত্বং ভক্তা চানুগতেতি চ ॥৯॥
ভর্ত্রানেন মহাভাগে ! সংযোজয় সুতেন তে। তমুপাদায় গচ্ছেয়ং যথেষ্টং দেবরূপিণম্ ।
পুনশ্চৈবানয়িষ্যামি বিশ্রম্ভং কুরু মে শুভে ! ॥১০॥
অহং হি মনসা ধ্যাতা সর্ব্বান্নেষ্যামি বঃ সদা। বৃজিনাত্তারয়িষ্যামি দুর্গেষু বিষমেষু চ ॥১১॥
পৃষ্ঠেন বো বহিষ্যামি শীঘ্রং গতিমভীপ্সতঃ। যূয়ং প্রসাদং কুর্ব্বন্তু ভীমসেনো ভজেত মাম্ ॥১২॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়খি— নিংঙ্গ [illegible] ভীমসেন ! [illegible] শাওজননহু [illegible] হাৎকনু, [illegible] মথন্তু [illegible] ধর্ম্ম [illegible] হেক্রি, অহনা ধর্ম্ম [illegible] ॥২॥ অপাজনা [illegible] হিড়িম্বনা ঐখোয়বু [illegible], অদুবু [illegible] আবু হাৎলে ; অহনদি মাগী মচন [illegible] [illegible] লাওজন[illegible] ঐখোয়না কৈদৌরনি ? ॥৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়— অসিগী [illegible] হিড়িম্বানা কুন্তী অমদি যুধিষ্ঠির অনিবু [illegible] লোয়জনা [illegible] অমি হায়খি— অয়েক ইবেমা ! জানিবু, [illegible] ওইবী ঐখোয়গী অপাম মুংশি [illegible] [illegible] তৌবগে হায়বদু [illegible] [illegible]। নচা ভীমসেনগী [illegible] অরাব অদুনা ঐগী [illegible] পুংলরে ॥৪—৫॥ [illegible] পুংলমলা [illegible] কোক্লনবা [illegible] অমুক কুইনা ঐনা [illegible] কৈরক্লিবনি, [illegible] উম্মিদি পুংলরে, [illegible] [illegible] থোক্লরনি ॥৬॥ শাগে নাচে, [illegible] ঐগী ধর্ম্ম অমসি ইপা ইমা ইবুং ইপুরুম [illegible] থাদোক্লনা নিপা [illegible] অকনবনি হায়জনা [illegible] ॥৭॥ [illegible] নচা ইবুংঙো [illegible] ভীমসেনমা অমসি অয়েক ইবেমনা ঐবু ইথোকপিরবদি ঐদি [illegible] অসি ঐ থাইজেপেংনা হায়জরবনি ॥৮॥ মরম অদুনা ঐবু ইকায় ইকি [illegible] অপাম [illegible] [illegible]। [illegible] অসিগী মকমদা [illegible] অপ্তা ওইনা [illegible] অমদি [illegible] [illegible] অমুম হায়না [illegible] চানবিয়ু অমদি [illegible] ॥৯॥ [illegible] নচা ইবুংঙো [illegible] ঐগী ইপুরোইবনি। [illegible] [illegible] তিজনবিয়ু। [illegible] ইপুরোইবা অসিবু শারনিংবা মকমদা পুন্না শাররগা নচা ইবুংঙোসে অমুক অসিদা পুজয়কে ; ননাইবু [illegible] ॥১০॥

[illegible] ঐবু [illegible] [illegible] [illegible] ঐনা [illegible] [illegible] মকমদা পুন্না চৎকনি অমগং [illegible] [illegible] পুজয়[illegible] [illegible] ॥১১॥ [illegible] পুজয়কনা [illegible] থুন[illegible] চৎপিনিংলময় ঐনা [illegible] ইনংগ্রনদা পোন্না পুজগনি। [illegible] [illegible],

আপদন্তরণে প্রাণান্ ধারয়েদ্যেন তেন বা। সর্ব্বমাদৃত্য কর্ত্তব্যং তং ধর্ম্মমনুবর্ত্ততা ॥১৩॥
আপৎসু যো ধারয়তি ধর্ম্মং ধর্ম্মবিদুত্তমঃ। ব্যসনং হ্যেব ধর্ম্মস্য ধর্ম্মিণামাপদুচ্যতে ॥১৪॥
পুণ্যং প্রাণান্ ধারয়তি পুণ্যং প্রাণদমুচ্যতে। যেন যেনাচরেদ্ধর্ম্মং তস্মিন্ গর্হা ন বিদ্যতে ॥১৫॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

এবমেব যথাত্থ ত্বং হিড়িম্বে! নাত্র সংশয়ঃ। স্থাতব্যন্তু ত্বয়া সত্যে যথা ব্রূয়াং সুমধ্যমে! ॥১৬॥
স্নাতং কৃতাহ্নিকং ভদ্রে! কৃতকৌতুকমঙ্গলম্। ভীমসেনং ভজেথাস্ত্বং প্রাগস্তগমনাদ্রবেঃ ॥ ১৭ ॥
অহঃসু বিহরানেন যথাকামং মনোজবা! অয়ং ত্বানয়িতব্যস্তে ভীমসেনঃ সদা নিশি ॥১৮॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তথেতি তৎ প্রতিজ্ঞায় ভীমসেনোঽব্রবীদিদম্। শৃণু রাক্ষসি! সত্যেন সময়ং তে বদাম্যহম্ ॥১৯॥
যাবৎ কালেন ভবতি পুত্রস্যোৎপাদনং শুভে!। তাবৎ কালং গমিষ্যামি ত্বয়া সহ সুমধ্যমে! ॥২০॥
তথেতি তৎ প্রতিশ্রুত্য হিড়িম্বা রাক্ষসী তদা। ভীমসেনমুপাদায় সোর্দ্ধমাচক্রমে ততঃ ॥২১॥

কল্লবা ভীমসেননা মহাক্কী লোয়নবী ওইনা ঐগী থুদাং অসি পায়হনবিরো ॥১২॥ অৱাবা তারবা মতমদা করিগুম্বা উপায় অমনা অহদগী আপদ ধর্ম্ম অতুগী মতুংইন্না চত্তুনা থবক পুমনমক্পু ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা পাংথোক্কদৌবনি ॥১৩॥ অৱাবা তারবা মতমদা অতুগুম্বা মী মহাক অতুনা অত্তোপ্পগী ধর্ম্মবু কায়দনবা ঙাকপিরিবা মী অহুতনা মংসাব অসিদগী থবাইদগী ধর্ম্ম থংবা হায়বত্তু ওইহ্নিবনি, ধর্ম্ম অতুদগী লৈথোকতুনা লৈথা তারকপা অতুদবু ধর্ম্ম থংবশিংগীদি অৱাবা খুদোং থিবা কৌবনি ॥১৪॥ ধর্ম্মতনা থবাইবু কল্লিবনি, মরম অতুনা ধর্ম্মবু প্রাণদাতা কৌনরি। * মরম অহুনা করিমতা নিন্দা তৌনিংঙায় লৈতে ॥১৫॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়খি—হিড়িম্বা কৌবী! নংনা হায়রিবা পুম্নমক্কো অচুম্বা ঙাক্তনি, মাতুদা করিমতা চিংনিংঙায় লৈতে। অতুদা শকহেনবী! ঐনা হায়দৌরিবা অসিগী মতুংইন্না নংনা ঋাশকতুনা অচুম্বা ঙাকপা তাই ॥১৬॥ ইবেম্মা! ভীমনা ইক-মাইথজতুনা, সুমিৎ খুদিংগী তৌগদৌবা ধান জপনচিংবা অহু তৌরগা মঙ্গলগী মশক ওইরবা ফিজেৎ লৈত্তেংলবা তুংদা সুমিৎ তাত্রিবৈদা নংনা মহাক্কা লোয়ননা শান্ননিংবা মকমদা শান্নজকগদবনি ॥১৭॥ নংনা পুকনিংগী মতৌগুমনা য়াংনা পায়বী ওইহনুনা নপুরোইববু পুনুনা মহাক্কা লোয়ননা নপুকনিং থুংনা শান্নজরু, অহুগা, সুমিৎ খুদিং সুমিং হেক তারকপদা সুমিদাংদা মংনা মহাকপু ঐথোয়গী ইকমদা থিল্লক্কদৌবনি ॥১৮॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি—"ননাই ঐ মাহুমক তৌজগনি" অসুম হায়না ৱাশক্লগা ভীমনা হিড়িম্বাদা হাযখি—হিংচাবগী শাগৈদা পোক্লবী! তাও, ঐনা নংগা লোয়ননা শান্নমিন্নবা লৈমিন্নবগী চপচাবা মতম অদো হায়গনি ॥১৯॥ নিংথিজবী! নংনা নংগী নচা অমতং ফংজত্রিফাউবা নংগা লৈমিন্নগেকো, অদুগী তুংদদি ঐ নংগা শান্নমিন্নবা ঙমলোই ॥২০॥

"মাহুমক তৌজগনি" অসুম হায়না ৱাশক্লবদা হিড়িম্বা কৌবী হিংচাবী অদুনা ভীমবু পুদুনা

(*) টিপ্পনী :—মৈ, ঈশিং, নুংশিৎনচিংবা পঞ্চভূত অসিনা মাগী মাগী ধর্ম্ম কায়দনা লৈনরিবা মরমনা থবাইনা হকচাংগী মন্নুংদা লৈবা য়ারিবনি। অহুনা ধর্ম্মবু প্রানদাতা কৌনবনি।

শৈলশৃঙ্গেষু রম্যেষু দেবতায়তনেষু চ। মৃগপক্ষিবিঘুষ্টেষু রমণীয়েষু সর্ব্বদা ॥২২॥
কৃত্বা চ পরমং রূপং সর্ব্বাভরণভূষিতা। সঞ্জল্পন্তী সুমধুরং রময়ামাস পাণ্ডবম্ ॥২৩॥
তথৈব বনদুর্গেষু পুষ্পিতদ্রুমসানুষু। সরঃসু রমণীয়েষু পদ্মোৎপলযুতেষু চ ॥২৪॥
নদীদ্বীপপ্রদেশেষু বৈদূর্য্যসিকতাসু চ। সুতীর্থবনতোয়াসু তথা গিরিনদীষু চ ॥২৫॥
কাননেষু বিচিত্রেষু পুষ্পিতদ্রুমবল্লিষু। হিমবদ্গিরিকুঞ্জেষু গুহাসু বিবিধাসু চ ॥২৬॥
প্রফুল্লশতপত্রেষু সরঃস্বমলবারিষু। সাগরস্য প্রদেশেষু মণিহেমচিতেষু চ ॥২৭॥
পত্তনেষু চ রম্যেষু তথৈবোপবনেষু চ। দেবারণ্যেষু পুণ্যেষু তথা পর্ব্বতসানুষু ॥২৮॥
গুহ্যকানাং নিবাসেষু তাপসায়তনেষু চ। সর্ব্বর্ত্তুফলপুষ্পেষু মানসেষু সরঃসু চ ॥২৯॥
বিভ্রতী পরমং রূপং রময়ামাস পাণ্ডবম্। রময়ন্তী তথা ভীমং তত্র তত্র মনোজবা ॥৩০॥
প্রজজ্ঞে রাক্ষসী পুত্রং ভীমসেনান্মহাবলম্। বিরূপাক্ষং মহাবক্ত্রং শঙ্কুকর্ণং বিভীষণম্ ॥৩১॥

অমা পাংনা চৎখি ॥২১॥ অদুগী তুংদা হিডিম্বানা পুক্নিং হুনবগী মশক পুহনা ফিজেৎ লৈতেং পুন্নমক শেৎ চারগনা, অনৌ অনৌবা থৃম্নবা ব হৈনা ভাংল ভাংলদুনা, শা উচেকশিংগী নিংথিজরবা খোঙ্গেম্না তিল্লবা নিংথিজরবা চীং মান্নচিংবা অমদি ব্রাংলবা চীংদোন, ফজ ফজরবা গন্ধর্ব্বনচিংবা লাইশিংগী লৈফমদা চৎল চৎলহনা ভীমগা লোয়ননা শান্নখি ॥২২—২৩॥ মীচম অমম্না চংবা ভমত্রবা বন, মনা মপাল পুংবা উজ্জাউনা থল্লবা চীংগী তম্পাক, মকা ফম্না শাৎলবা থরো থম্বালন থল্লবা পুখ্রী, চাউরবা তুরেনগী ইয়াইদা তাবা ঈথং, মুমিৎকী মভান্না বৈদূর্য্য মণিগী মতৌগুম ভগুপ তরেংনা নিংথিজরবা লৈভোয় সেক্তাগী লমদম, নিংথিজরবা হিদেন তাফম বন মচা লুরবা ঈশিংনা তিল্লবী চীং লমদমগী তুরেল, মনা মপাল মহৈনা থল্লবা উরি ব্রারিনা থল্লবা বন, হিমালয় চীংজাউগী কুপ্পখিবিক, চীক্ন চীক্নবা পাক চাউরব লোকখা, মকাফম্না শাৎলবা থম্বালনা লৈতেং ওইরিবা লুরবা ঈশিংনা থল্লবা পুখ্রী, মণি মুক্তা সনাগী মতৌগুম্না লুরবা সমুদ্র মপাল, পুক্নিং হুনবগী মশক ওইরবা নগর অমদি উপবন, শেংলবা লাইরেনবা লাইরেনবী লৈরবা বন, চীংগী চীংলক্তা লৈবা লৈতেম মংল্লবা লমদম, যক্ষ গন্ধর্ব্বশিংগী শান্নফম, মুনি তপস্বীশিংগী আশ্রম অমদি ঋতু পুম্নমক্তী লৈ মহল মথল শাংলবা মহৈ য়াল্লবা হৈপাল লৈপান্না মসুংদা থল্লবা মানস সরোবর কৌবা পুখ্রীদা, হায়রিবা মফম পুম্নমক অসিদা পুক্নিংগী মতৌগুম য়াংলবী হিডিম্বানা নিংথিজরবা মশক পুরগুনা নিংথিজবা মিৎয়েং নংয়েং ব্রাভাং খোন্দা শাংপেকনচিংবনা ভীমসেনবু পেলহন্দুনা নুংভায়না শান্নখি ॥২৪—৩০॥

অতুগী মতুংদা ভীমসেনগী ওরসদগী হিডিম্বাগী কল্লবা মচানিপা অমা পোকখি; মাহাক্কী মমিৎ অনিদু য়ামনা লাওই, মাইথোং অমু য়ামনা পাক-চাউই কোইরপ কোয়, মনাকোং অনি অমু য়োৎপীগী মতৌগুম তুমখৎলি, কম্না লাওবগী খোঙ্গেম্না অকিবা ফংহি; মচিনবান অনি অমু কোরি মচুমাল্লি, ময়াশিং অমু য়ামনা তুমই-থৌই, মখনাওদগী খোরকপ খোঙ্গেল অমু য়াকই, অচৌবা লীরুং পাইবা নিপা অমনি, মতিক মগুণ চাউবা, য়ামনা মোম্বা কনবা, মপাম্বোম-চাউবা, কনবা, মশামউ ব্রাং চাউবা, অকিবা ফংনা মায়া হৈবা, মনাক্তোন ব্রাং চাউবা, মথাবাক কনবা-তোংবা

ভীমনাদং সুতাম্রোষ্ঠং তীক্ষ্ণদংষ্ট্রং মহারথম্। মহেষ্বাসং মহাবীর্য্যং মহাসত্ত্বং মহাভুজম্ ॥৩২॥
মহাজবং মহাকায়ং মহামায়মরিন্দমম্। দীর্ঘঘোণং মহোরস্কং বিকটোদ্বদ্ধপিণ্ডিকম্ ॥৩৩॥
অমানুষং মানুষজং ভীমবেগং মহাবলম্। যঃ পিশাচানতীত্যান্যান্ বভূবাতীব রাক্ষসান্ ॥৩৪॥
বালোঽপি যৌবনং প্রাপ্তো মানুষেষু বিশাংপতে। সর্ব্বাস্ত্রেষু পরং বীরঃ প্রকর্ষমগমদ্বলী ॥৩৫॥
সদ্যো হি গর্ভান্ রাক্ষস্যো লভন্তে প্রসবন্তি চ। কামরূপধরাশ্চৈব ভবন্তি বহুরূপিকাঃ ॥৩৬॥
প্রণম্য বিকচঃ পাদাবগৃহ্ণাৎ স পিতুস্তদা। মাতুশ্চ পরমেষ্বাসস্তৌ চ নামাস্য চক্রতুঃ ॥৩৭॥
ঘটো হাস্যোৎকচ ইতি মাতা তং প্রত্যভাষত। অব্রবীত্তেন নামাস্য ঘটোৎকচ ইতি স্ম হ ॥৩৮॥
অনুরক্তশ্চ তানাসীৎ পাণ্ডবান্ স ঘটোৎকচঃ তেষাঞ্চ দয়িতো নিত্যমাত্মভূতা বভূব সঃ ॥৩৯॥
সবাস্য যা জীর্ণ ইত্যাভাষ্য ততস্ত তান্। হিড়িম্বা সময়ং কৃত্বা স্বাং গতিং প্রত্যপদ্যত ॥৪০॥

খুউ খুমিৎ খুমিংগী তুংখংর শরুক অদু কোইরপ কোয়ম অপনুং ফজি, মশুং মতৌ য়েংবদা মিপাইনবা মশকনি, মীওইনা পোকইদি হায়রবু মী নত্তবা হিংচা য়াইতম্বগুম্বা মশকনি, অইগা চাত্তোপ অতেংবা হিংচা য়াইতম্বশিংদগীসু মীথোয় মীহেন্না অকিবগী মশক ফংবা নিপানি; অসিগুম্বা মচানি ভীমগী পোকই ॥৩১—৩৪॥ মহারাজ! হিড়িম্বাগী মচাসি অঙাং মচা ওইনা পোক্লবস্থ হুম হুম চাউরক্লুনা নোংমদা পাখং ফাখি। তুংদা অকনবা অমা ওইরূনা হিংচবশিংগী মনুংদা লান্দ্রা খুংগু খুংলাইদা মপা লৈতনা চাউখৎপা অনা ওইখি ॥৩৫॥ মরমদি হিংচাবীশিংনা পোকপা মচা হায়রবসিমক্তবু খুদক্তা গর্ভপূরগা খুদক্তা পোকই, খুদক্তা চাউই, অমগা খুদক্তা পুনিংরা মপাক্তা পুবা তৌনিংবদা তৌবা মীশক হেক হেক ওই ॥৩৬॥ থম্বাইগা মামত্রবা য়েংবদা ওস্তোকপা অমা ওইনা উরবা মপন্ম-মনা ইফা ফাবা হিড়িম্বাগী মচা অসি মপা-মমা অনিবু খুমদ্দুনা মখোয়গী মখোয় কোয়ম মকোক্তা হাপ্লি; মপা-মমা অনিনসু মচাগী মমিং থোনখি ॥৩৭॥ হিড়িম্বাগী মচা অসিগী মকোক অসি চকুগী মতৌগুম তুম্বি, অদুগা কোক অতুগী মফম মকমদা লম্বা-লম্বা খিঙৌ-খিঙৌ লাউরবা চপ চপ য়ুংবা মপাম হৌই, অদুনা মমানা মচা অদুবু ওইরিবা ফিবম অতগী মতুংইন্না ঘটোৎকচ থোরি। *অদুদগী হৌনা মী পুম্নমক্না মহাকপু ঘটোৎকচ হায়না কৌনখ্রে ॥৩৮॥

ঘটোৎকচ হায়রিবা নিপা অসি মতম লৈবা খিবিক্তা পাণ্ডবশিংবু লুনা মুংশিনা তৌবয়দা পাণ্ডব শাগেগী কন্নবা, শীংথানবা য়ারবা অমদি মু শিনফম ওইবা নিপা অমা ওইখি ॥৩৯॥ ভীমগা

(*) টীকা:— ঘটোৎকচ হায়রবা শব্দ অসিগী বুৎপত্তি হায়বদি হোরককমদি ব্যাকরণগী মতুংইন্না ঘট+উৎ+কচ অহুম অসিগী তিন্নয়দগী থোকপনি। লৌকিক বিগ্রহদি ঘটঃ ইব উৎ ঘটোৎঃ হায়বদি চকুগী মতৌগুম মাখি হায়না [illegible] থোকপা মওং হায়বনি। কচ হায়বদি শম হায়বনি। উৎকচ হায়বনা ভিন্ন-ভিন্না চপ য়ুংনা হৌবা শম হায়বনি। মরুম অসিনা থরুনা থোকপা মওং মতৌগী অর্থ পুম্নবা উৎ হায়বা শব্দ অসি লৌথোকখিগা ঘট+উৎ+কচ অহুম অসি লৈহৌই। অহুম অসিগী সন্ধি তৌমগা ঘটোৎকচ থোকই। হায়বদি শম চপ-চপ য়ুংনা হৌবা চকু কোক্তা তাবা হায়বনি। মিং অসি মশক মতৌগা চপ চানা থোকখিবনিনা অর্থ্যদা হায়বদি সার্থক সংজ্ঞানি। পংথোক-খানবা নত্তে। লাইরবা নিপা অমদা কুবের, বশক থিবা নিপা অমদা কামদেব হায়না খোঙবদি অনর্থক সংজ্ঞানি, পংথোক থোনবনি।

ঘটোৎকচো মহাকায়ঃ পাণ্ডবান্ পৃথয়া সহ। অভিবাদ্য যথান্যায়মব্রবীচ্চ প্রভাষ্য তান্ ॥৪১॥

কিং করোম্যহমার্য্যাণাং নিঃশঙ্কং বদতানঘাঃ।। তং ব্রুবন্তং ভৈমসেনিং কুন্তী বচনমব্রবীৎ ॥৪২॥

ত্বং কুরূণাং কুলে জাতঃ সাক্ষাদ্ভীমসমো হ্যসি। জ্যেষ্ঠঃ পুত্রোঽসি পঞ্চানাং সাহায্যং কুরু পুত্রক! ॥৪৩॥

পৃথয়াঽপ্যেবমুক্তস্তু প্রণম্যৈব বচোঽব্রবীৎ। যথা হি রাবণো লোকে ইন্দ্রজিচ্চ মহাবলঃ

বর্ষ্মবীর্য্যসমো লোকে বিশিষ্টশ্চাভবং নৃষু ॥৪৪॥

কৃত্যকাল উপস্থাস্যে পিতৄনিতি ঘটোৎকচঃ। আমন্ত্র্য রক্ষসাং শ্রেষ্ঠঃ প্রতস্থে চোত্তরাং দিশম্ ॥৪৫॥

স হি সৃষ্টো মঘবতা শক্তিহেতোর্মহাত্মনা। কর্ণস্যাপ্রতিবীর্য্যস্য প্রতিযোদ্ধা মহারথঃ ॥৪৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

হৈড়িম্ব ঘটোৎকচোৎপত্তির্নামানপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——০:(*):০——

লোয়নন। মতম থরক্লং লৈমিঙ্গরগা হিড়িম্বানা পাণ্ডবশিংগী মফমদগী বিদায় লৌতুনা অমক্তুং ৱাপক-লমলগা মগী হারগী মফমদা চংথি ॥৪০॥ ৱাং চাউরবা ঘটোৎকচনা মবেলথো কুন্তী অমদি মপাল মপা মথুড়া পাণ্ডবশিংবু থুরমতুনা বিদায়গী মতমদা ৱাশি হায়খি ॥৪১॥ পাপ য়াওত্রবা গুরুজন পুন্নমক ! ননাইবু করি তৌজো হায়বগে, চিংনবা লৈতনা তাকপিয়ু। ঘটোৎকচনা অসুম হায়রবদা কুন্তীনা হায়খি— ॥৪২॥ ইবুংঙো! নহাক্তি কুরু শাগৈদা পোক্লেদো, নপা ভীমগা পাংথক ওইরে, ইচা পাণ্ডবশিং অসিগী থৱাইগী অহন পিবা হায়বছ ওইরেদো। অদুনা ইবুংঙো! নংনা ঐথোয়গী ইক্রেং পাংনবা তৌ ॥৪৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— কুন্তীনা অসুম হায়রবদা ঘটোৎকচনা খুরমতুনা কুন্তীদা হায়খি— মমাংঙৈদা মপা রাবণগী মতৌগুম মচা ইন্দ্রজিৎসু ৱাং চাউনা মপাঙ্গম কনখি; অদুগুমতুনা ঐসু মর্ত্ত্যলোক অসিদা পাঙ্গল্দা শাওং শাদাদ ইপাগা অক্মানি ॥৪৪॥ মরম অদুনা হেক হেক কাম-গদবা মতমদা ননাইবু নিংশিংবিরকউ, থুদক্তা পাবুংশিংগী নাক্তা থুংজরগনি। অসি হায়রগা হিংচাবা অথোইবা ঘটোৎকচ অসি অৱা পাংনা চংখি ॥৪৫॥ পুরুচেল চাউরবা ইন্দ্রনা মশানা শিথোকখ্রবা তা অদুগী পাঙ্গল হন্থনবা অহুগা মীশক অমতদা শিজিনতুনা মাংখিনবা, মপা লৈত্রবা কর্ণগী মপা ওইনবা মহারথী ঘটোৎকচসিবু মশামক্তা শেমখিবনি ॥৪৬॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতত্তা শ্লোক লিশিং চাসনা, লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা হিড়িম্ব কৌবা মচানদা ঘটোৎকচোৎপত্তি কৌবা চারদা নিফুলিশাল অমদা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——॥(*)॥——

শ্রীমহাভারতম্

(এক চক্রনদা চংবগী মতাং)

(চামা য়াঙৈখ্রশুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

তে বনেন বনং গত্বা ঘ্নন্তো মৃগগণান্ বহূন্ । অপক্রম্য যযু রাজন্ ! ত্বরমাণা মহারথাঃ ॥১॥
মৎস্যান্ ত্রিগর্ত্তান্ পাঞ্চালান্ কীচকানন্তরেণ চ । রমণীয়ান্ বনোদ্দেশান্ প্রেক্ষমাণাঃ সরাংসি চ ॥৩॥
জটাঃ কৃত্বাত্মন সর্বে বল্কলাজিনবাসসঃ । সহ কুন্ত্যা মহাত্মানো বিভ্রতস্তাপসং বপুঃ ॥৩॥
কচিদ্বহন্তো জননীং ত্বরমাণা মহারথাঃ । কচিচ্ছন্দেন গচ্ছন্তস্তে জগ্মুঃ প্রসভং পুনঃ ॥৪॥
ব্রাহ্মং বেদমধীয়ানা বেদাঙ্গানি চ সর্বশঃ । নীতিশাস্ত্রঞ্চ ধর্ম্মজ্ঞা দদৃশুস্তে পিতামহম্ ॥৫॥
তেঽভিবাদ্য মহাত্মানং কৃষ্ণদ্বৈপায়নং তদা । তস্থুঃ প্রাঞ্জলয়ঃ সর্ব্বে সহ মাত্রা পরন্তপাঃ ॥ ৬ ॥

ব্যাস উবাচ ।

ময়েদং ব্যসনং পূর্ব্বং মনসা বিদিতং নৃপাঃ ! । যথা তু তৈরধর্ম্মেণ ধার্ত্তরাষ্ট্রৈর্বিবাসিতাঃ ॥৭॥
তদ্বিদিত্বাস্মি সম্প্রাপ্তশ্চিকীর্ষুঃ পরমং হিতম্ । ন বিষাদোঽত্র কর্ত্তব্যঃ সর্ব্বমেতৎ সুখায় বঃ ॥৮॥
সমাস্তে চৈব মে সর্ব্বে যূয়ং চৈব ন সংশয়ঃ । দীনতো বালতশ্চৈব স্নেহং কুর্ব্বন্তি বান্ধবাঃ ॥ ৯॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—মহারাজ ! পাণ্ডবশিংনা বনগী লম্বী লম্বীদা অতোপ্পা বন অমদা চংখিদুনা মকম অদুদা শজি শঙায় তাল্লবা বন অহ অমুক থাদোকতুনা থুনা য়াংনা চংখি ॥১॥ মখোয় পুম্নমক অহ জটা পুই, উকু শেংলি, কৈ মউন, শজিমউন, ইল্লি শেংলি তপস্বী শাদুনা মৎস্য, ত্রিগর্ত্ত, পাঞ্চাল অমদি কীচকনচিংবা দেশখিবিক লাম্হোকখিহনা ফজ্ন ফজরবা বনগী লমদম অমদি পুখ্রী-তুরেল কয়া কয়াগী দৃশ্য য়েংহনা অমুকস্থ কুন্তীবু শমহনা, অমুকস্থ পোদুনা অদুগা অমুকস্থ তপ্না অমদি হকচাং! থর কনথংলক্লগা থুরপ্না চংখি ॥২—৪॥ উপনিষৎ, বেদ, বেদাঙ্গং পুম্নমক অমস্থং নীতি শাস্ত্র পুম্নমক পাঠ তৌর তৌরহনা অম্নম চংলকপদা নোংমা মখোয়গী মবুপ্পী বেদব্যাসগা লম্বীদা উনখি ॥৫॥ কুন্তীগা লোয়নননা মখোয় মত্তামক পূকচেল চাউরবা বেদব্যাসগী মনাক্ত চংশিনতুনা থুরম্মি খুৎ লোম লোমদুনা লেপই ॥৬॥ মতম অদুদা বেদব্যাসনা হায়রকই—নিংথৌমচাশা ! ঐদি মমাংদৈদগী নখোয়গী থোক্লগদবা অৱাবা ফিবম অসে খংহুনা উদুনা লৈরবনি, ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা অয়ানবা পাম্বেনা মখোয়বু তাম্হোক্লগদবা অপি পুম্নমক নহাম্না খংহুনা লৈরবনি ॥৭॥ মাহু খংলদুনা অমদি থোক্লরে হায়বসি উরহনা নখোয়গী মঙ্গলগীদমক্তা অসিদা লাক্লিবনি । নখোয় কৰিমতা ৱাগনু ; থোক্লিবা থৌদোক পুম্নমকসে নখোয়গী সুংডাইনবগীদমক্তা থোক্লখনি হায়বসি খংহু ॥৮॥ নখোয় পুম্নমক অমদি মখোয় পুম্নমক অদুস্থ ঐগী ইকময়দি অমাদনি ; হায়রিবা অসিদা নখোয় কৰিমতা চিংনগনু । অদুমদি ওইরবদা লৈকম চাকম খংবা চনকম লৈকবা মওং অমস্থং অভাং ওইবা মওং অনি অসিনা মরম ওইদুনা খাগোম্নাতে মঙ্গল-মপাংনা

তস্মাদভ্যধিকঃ স্নেহো যুষ্মাসু মম সাম্প্রতম্। স্নেহপূর্ব্বং চিকীর্ষামি হিতং বস্তন্নিবোধত ॥১০॥
ইদং নগরমভ্যাসে রমণীয়ং নিরাময়ম্। বসতেহ প্রতিচ্ছন্না মমাগমনকাঙ্ক্ষিণঃ ॥১১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

এবং স তান্ সমাশ্বাস্য ব্যাসঃ সত্যবতীসুতঃ। একচক্রামভিগতঃ কুন্তীমাশ্বাসয়ৎ প্রভুঃ ॥১২॥
পুনরেব চ ধর্ম্মাত্মা ইদং বচনমব্রবীৎ ।

ব্যাস উবাচ ।

জীব পুত্রি! সুতস্তেঽয়ং ধর্ম্মনিত্যো যুধিষ্ঠিরঃ ॥১৩॥
ধর্ম্মেণ পৃথিবীং জিত্বা মহাত্মা পুরুষর্ষভঃ। পৃথিব্যাং পার্থিবান্ সর্ব্বান্ প্রশাসিষ্যতি ধর্ম্মরাট্ ॥১৪॥
পৃথিবীমখিলাং জিত্বা সর্ব্বাং সাগরমেখলাম্। ভীমসেনার্জ্জুনবলাদ্ ভোক্ষ্যত্যেষ ন সংশয়ঃ ॥১৫॥
পুত্রাস্তব চ মাদ্র্যাশ্চ সর্ব্ব এব মহারথাঃ। স্বরাষ্ট্রে বিহরিষ্যন্তি সুখং সুমনসঃ সদা ॥১৬॥
যক্ষ্যন্তি চ নরব্যাঘ্রা নির্জ্জিত্য পৃথিবীমিমাম্। রাজসূয়াশ্বমেধাদ্যৈঃ ক্রতুভির্ভূরিদক্ষিণৈঃ ॥১৭॥
অনুগৃহ্য সুহৃদ্বর্গং ভোগৈশ্বর্য্যসুখেন চ। পিতৃপৈতামহং রাজ্যমিমে ভোক্ষ্যন্তি তে সুতাঃ ॥১৮॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

এবমুক্ত্বা নিবেশ্যৈতান্ ব্রাহ্মণস্য নিবেশনে। অব্রবীৎ পাণ্ডবশ্রেষ্ঠমৃষির্দ্বৈপায়নস্তদা

হায়রিবা মওং অসিদা লৈরিবা মচা-মগুশিংদবু থোইদোকনা সুংশি ॥৯॥ মরম অদুনা মখোয়বুদি নখোয়দা সুংশিবনা হেল্লে। অদুনা সুংশিদনা নখোয়গী কান্নবগীদমক্তা করিগুম্বা অমতং তৌগে হায়দুনা থল্লি, হায়গে তাও ॥১০॥ পুক্লিং হুনবগী মশক ওইরবা অমদি অনা অয়েক অমতা লৈতবগুম্বা ফজখরবা নগর অমা আদা উরিবসে আসিদা ঐগী অমুক উনবা ঙায়দুনা ফিজেৎ অথুপ্পা শেত্তুনা মতম খরদং লৈক ॥১১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি—সত্যবতীগী মচা ব্যাসনা পাণ্ডব-শিংবু অনুমনা থেমজিন্দুনা, একচক্রা কৌবা নগর অদুগী মায়কৈদা চৎন-চৎনা কুন্তীবুসু থেম-জিনখি ॥১২॥ ধর্ম্ম চেল্লবা বেদব্যাসনা অমুক হাসি হায়খি—কুন্তী। মতম কুইনা পুনসিয়ু, মতম পুম্নমক্তা ধর্ম্ম চেন্নবা নিপা মরক্তগী অখোইবা মচানিপা যুধিষ্ঠির অসিনা ধর্ম্মগী পাম্বৈনা পৃথিবীবু জয় তৌদুনা, ধর্ম্মরাজ হায়বহ ওইদুনা পৃথিবীগী নিংথৌ পুম্নমকপু শাসন তৌরখিগনি ॥১৩—১৪॥ যুধিষ্ঠিরনা ভীম অমদি অর্জ্জুন অনিগী শক্তিনা অপনবা কৈতনা সমুদ্রনা কোয়রশিল্লবা পৃথিবী পুম্নমকপু জয় তৌদুনা রাজ ভোগ চারখিগনি, মসিদা করিমত্তা চিংনগনু ॥১৫॥ নংগী অমদি মাদ্রীগী মচা অনি মখোয় পুম্নমক অলে কস্থোরবা মহারথী মতা ওইরে; মরম অদুনা মখোয় অসিনা অমুক মখোয়গী মরৈবাক্তা রাজনা সুংতায়না মনিং মথা তম্না লৈরখিগনি ॥১৬॥ মী অখোইবা পাণ্ডব-শিংনা পৃথিবী জয় তৌদুনা, মরাং কায়না দান দক্ষিণা তৌদুনা, রাজসূয় যজ্ঞ অমদি অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌরখিগনি ॥১৭॥ নংগী মচাশিং অসিনা লনথুম ঐশ্বর্য্য পুম্নমক ফংদুনা সুংতায়না শাগে-নাত্তে মরুপ-মপাং পুম্নমক্কী থৌজাল ফংদুনা মখোয়বু পোকহন্দুনা মপা মপুগী লৈবাকতা রাজভোগ ফংজ-খিগনি ॥১৮॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি—হাসি হায়দুনা মহর্ষি বেদব্যাসনা পাণ্ডবশিংবু কনাগুম্বা

ইহ মাং সম্প্রতীক্ষধ্বমাগমিষ্যাম্যহং পুনঃ। দেশকালৌ বিদিত্বৈব লপ্স্যধ্বং পরমাং মুদম্ ॥২০॥
স তৈঃ প্রাঞ্জলিভিঃ সর্ব্বৈস্তথেত্যুক্তো নরাধিপ!। জগাম ভগবান্ ব্যাসো যথাগতমৃষিঃ প্রভুঃ ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি *
হৈড়িম্বে একচক্রাপ্রবেশো নাম পঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায় ।০॥

——:*:——

ব্রাহ্মণ অমগী ময়ুমদা পুশিন্দুনা যুধিষ্ঠিরদা হাসি হায়খি—নখোয় পুমনমক মফম অসিদা ঐ হলক্লি-ফাউবা ভাইদুনা লৈয়ু; ঐ অমুক হল্লকনি। দেশ-কাল-পাত্রগী মতুংইন্না হৈনা-শিংনা চৎপা তম্নবতনা নখোয়না থোইনা নুংঙাইবা হায়বগী কংগদৌরিবনি ॥২০॥ মহারাজ! মতৌ অসুমনা ব্যাসনা হায়রবদা পাণ্ডব মতানা খুৎলোয়রদুনা "ননাই ঐখোয় মাদুমক তৌজগনি" অসুম হায়না খুমখি। ভগবান শ্রীব্যাসমু হায়না লাকপা মফম অদুদা হনখ্রে ॥২১॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা হিড়িম্বাগী মতাংদা একচক্রাপ্রবেশ কৌবা চামগা য়াথৈ শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(বক হাৎপগী মতাংদা ব্রাহ্মণনা হাবা)

(চামা য়াথৈমাথোই শুবা অধ্যায়)

——:(০):——

জনমেজয় উবাচ।

একচক্রাং গতাস্তে তু কুন্তীপুত্রা মহারথাঃ। অত ঊর্দ্ধং দ্বিজশ্রেষ্ঠ! কিমকুর্ব্বত পাণ্ডবাঃ ॥১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

একচক্রাং গতাস্তে তু কুন্তীপুত্রা মহারথাঃ। ঊষুর্নাতিচিরং কালং ব্রাহ্মণস্য নিবেশনে ॥২॥
রমণীয়ানি পশ্যন্তো বনানি বিবিধানি চ। পার্থিবানপি চোদ্দেশান্ সরিতশ্চ সরাংসি চ ॥৩॥
চেরুর্ভিক্ষাং তদা তে তু সর্ব্ব এব বিশাংপতে!। বভূবুর্নাগরাণাঞ্চ স্বৈর্গুণৈঃ প্রিয়দর্শনাঃ ॥৪॥

জনমেজয়না হায়খি— হে ব্রাহ্মণ অথোইবা! মহারথী ওইরবা ইবুধৌ পাণ্ডবশিং অদুনা একচক্রা কৌবা নগর অসিদা চৎখ্রগা করি করি তৌখিবগে লীবিরু তাজগে ॥১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মহারথী ওইরবা কুন্তীগী মচা পাণ্ডবশিংনা, একচক্রা কৌবা নগর অদুদা চৎখিদুনা, মথল মখা অয়াবা পুক্লিং হূনা ফজরবা বন, লমদম, কল ফজবা পুখ্রী, তুরেলনচিংবা য়েংদুনা ব্রাহ্মণগী য়ুম অদুদা অহৃক্তি থোইনা কুইমনা লৈখি ॥২—৩॥ মহারাজ! মখোয় পুমমক অসি হয়িং খুদিং নগর অদুদা ভিক্ষা

নিবেদয়ন্তি স্ম তদা কুন্ত্যাং ভৈক্ষ্যং সদা নিশি । তয়া বিভক্তান্ ভাগাংস্তে ভুঞ্জতে স্ম পৃথক্ পৃথক্ ॥৫॥
অর্দ্ধং তে ভুঞ্জতে বীরাঃ সহ মাত্রা পরন্তপাঃ । অর্দ্ধং ভৈক্ষ্যস্য সর্ব্বস্য ভীমো ভুঙ্‌ক্তে মহাবলঃ ॥৬॥
তথা তু তেষাং বসতাং তস্মিন্ রাষ্ট্রে মহাত্মনাম্ । অতিচক্রাম সুমহান্ কালোঽথ ভরতর্ষভ ! ॥৭॥
ততঃ কদাচিদ্ভৈক্ষ্যায় গতাস্তে ভরতর্ষভাঃ । সঙ্গত্যা ভীমসেনস্তু তত্রাস্তে পৃথয়া সহ ॥৮॥
অথার্ত্তিজং মহাশব্দং ব্রাহ্মণস্য নিবেশনে । ভৃশমুৎপতিতং ঘোরং কুন্তী শুশ্রাব ভারত ! ॥৯॥
রোরূয়মাণাংস্তান্ দৃষ্ট্বা পরিদেবয়তশ্চ সা । কারুণ্যাৎ সাধুভাবাচ্চ কুন্তী রাজন্ ! ন চক্ষমে ॥১০॥
মথ্যমানেন দুঃখেন হৃদয়েন পৃথা তথা । উবাচ ভীমং কল্যাণী কৃপান্বিতমিদং বচঃ ॥১১॥
বসামঃ সুসুখং পুত্র ! ব্রাহ্মণস্য নিবেশনে । অজ্ঞাতা ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য সৎকৃতা বীতমন্যবঃ ॥১২॥
সা চিন্তয়ে সদা পুত্র ! ব্রাহ্মণস্যাস্য কিন্ন্বহম্ । প্রিয়ং কুর্য্যামিতি গৃহে যৎ কুর্য্যুরুষিতাঃ সুখম্ ॥১৩॥
এতাবান্ পুরুষস্তাত ! কৃতং যস্মিন্ন নশ্যতি । যাবচ্চ কুর্য্যাদন্যোঽস্য কুর্য্যাদভ্যধিকং ততঃ ॥১৪॥
তদিদং ব্রাহ্মণস্যাস্য দুঃখমাপতিতং ধ্রুবম্ । তত্রাস্য যদি সাহায্যং কুর্য্যামুপকৃতং ভবেৎ ॥১৫॥

নিহুনা চায় অদুগা মাগী মাগী মতিক মগুণনা নগর অদুদা লৈরবা মীশিংগী মকমদা খন্নাইগী মুংশিনকম ওইরবা মীশক অমমম ওইখি ॥৪॥ অয়ুক মুংথিন্দনা ভিক্ষা তৌরুরগা অহিং অহিংদা হন্নরক্লুনা মুমিং খুদিংগী মখোয়না ভিক্ষাদ ফংলকপা পোৎচৈশিং অদু কুন্তীদা পুশিল্লক্লুনা হেক হেক কৎলৈ, কুন্তীনা পোৎ পুন্নমক অহুনা চপ মান্নবা য়েন্নবি, মখোয়সু মাগী মাগী মমানা খাইবিবা শরুক অদু লৌদুনা চাই ॥৫॥ যুধিষ্ঠিরনাচিংবা মরিনা মমা কুন্তীগী শকক অদুগা মখোয়গী শরুকশিং অদুগা তিনশিন্নরগা মাহুগী তংখায়না ভীমসেনদা পিজে, লেমহৌবা তংখায় অদুনা মমাগা লোয়ননা মখোয় মতানা চাই ॥৬॥ ভরত শাগেগী অথোইবা মহারাজ! মতৌ অসুম তৌনা নবুথোশিং অদো লৈবাক অদুদা লৈদুনা মতম লেনখি ॥৭॥ অদুগী তুংদা নোংমা যুধিষ্ঠিরনাচিংবা মরিদি ভিক্ষা নিবা চৎখি, মাহুগী মমিং অদু ভীমদদি করিগুম্বা থবক অমা তৌদুনা মমাগা য়ুমদা লৈহৌই। ৮॥ অদুম লৈরিঙৈদা মখোয়না লৈরিবা ব্রাহ্মণ অদুগী ইমুংদা অন্নাবা অমদি খুদক্তা খুদোংথিবা ফংবগী অকিবা ফংবা খোল্লাউ অমা লাওরকপদু কুন্তীনা তাখি ॥৯॥ ইমুং অসিদা লৈরিবা মীশিং অসি অন্নাবা খুদোংথিবা অমনা তেংথা নাওইনা কপ্পরক্লে হায়বাসি খংলদুনা কুন্তীনা মাহু মুংশিহৈবা পুকচেল ফজবনা মরম ওইদুনা তাদনা খাংদুনা লৈবা ঙমখিদরে ॥১০॥ মতম অদুদা কুন্তীনা অন্নাবনা থল্লবা থমোইদা হৌরকপা ইথক অহ খাংবা ঙমদদুনা ভীমগী মকমদা মীন্নংশি থংবগী বাহৈনা হায়খি — ইবুংঙো! ব্রাহ্মণ অসিগী য়ুমদা ইমা ইচা ঐখোয়সি মী পুন্নমক্না তরাম তরাম তৌবিদুনা খোইনা তোন্দনা অমদি দুর্য্যোধনবু খংহন্দনা মুংতাইনা লৈবা ফংলিজে ॥১১—১২॥ কান্নবা তৌবা মী অদুগী মকমদা কান্নবা থবক্লা লম্মন শিংবা মী অহতবু মহাপুরুষ কৌই। অহুনা অতৈ অতৈনা মখোয়বু কান্নবা তৌবিরিবশিং অদুদগীসু হেন্না ব্রাহ্মণশিং অসিগী কান্নবা নখোয়না তৌকম খোকই ॥১৪॥ ব্রাহ্মণ অসিগী ঙসি করিগুম্বা অন্নাবা খুদোংথিবা অমা থোক্লমারেসে; তাঙ্গাসিদা ঐনা মহাক্কী অন্নাবসি কোক্লবা মতেং পাংবিবা ঙমবদি থাজেশংবা মীগী তৌবিমল থংহনা লম্মনশিংবা হায়বদু থোক্লনিংকো ইবুংঙো! ॥১৫॥

ভীমসেন উবাচ।

জ্ঞায়তামস্য যদ্দুঃখং যতশ্চৈব সমুত্থিতম্। বিদিত্বা ব্যবসিষ্যামি যদ্যপি স্যাৎ সুদুষ্করম্ ॥১৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবং তৌ কথয়ন্তৌ তু ভূয়ঃ শুশ্রুবতুঃ স্বনম্। আর্ত্তিজং তস্য বিপ্রস্য সভার্য্যস্য বিশাংপতে ॥১৭॥

অন্তঃপুরং ততস্তস্য ব্রাহ্মণস্য মহাত্মনঃ। বিবেশ ত্বরিতা কুন্তী বদ্ধবৎসেব সৌরভী ॥১৮॥

ততস্তং ব্রাহ্মণং তত্র ভার্য্যয়া চ সুতেন চ। দুহিত্রা চৈব সহিতং দদর্শ বিকৃতাননম্ ॥১৯॥

ব্রাহ্মণ উবাচ।

ধিগিদং জীবিতং লোকে গতসারমনর্থকম্। দুঃখমূলং পরাধীনং ভৃশমপ্রিয়ভাগি চ ॥২০॥

জীবিতে পরমং দুঃখং জীবিতে পরমো জ্বরঃ। জীবিতে বর্ত্তমানস্য দ্বন্দ্বানামাগমো ধ্রুবঃ ॥২১॥

আত্মা হ্যেকো হি ধর্ম্মার্থৌ কামঞ্চৈব নিষেবতে। এতৈশ্চ বিপ্রয়োগোঽপি দুঃখং পরমনন্তকম্ ॥২২॥

আহুঃ কেচিৎ পরং মোক্ষং স চ নাস্তি কথঞ্চন। অর্থপ্রাপ্তৌ চ নরকঃ কৃৎস্ন এবোপপদ্যতে ॥২৩॥

অর্থেপ্সুতা পরং দুঃখমর্থপ্রাপ্তৌ ততোঽধিকম্। জাতস্নেহস্য চার্থেষু বিপ্রয়োগে মহত্তরম্ ॥২৪॥

ভীমনা খুমখি—ইমা। অহুদি, ব্রাহ্মণ অসিগী থোক্লিবা অসি করিনো হায়দুনা অমুত্তন থংবিয়ু; অদুগী তুংদা কম য়াম্না হমকত্রবা অমদি তোঙমত্রবা থবক ওইরমামকন্থ ঙমবা হোৎনগে ॥১৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি—মতৌ অসুম্না কুন্তী ভীম মমা-মচা অনি অসিনা অমুকন্থ ব্রাহ্মণ অহুনা মতু মচাশিংগা কপমিন্নরকপগী সুংশি মুংঙোনবা খোঙ্গেল অহু তায়রে ॥১৭॥ অদুগী তুংদা ইমুংদা পুজিবা সম্নাও তম্না মঙবীনা চেনশিনখিবগুম কুন্তীনা ব্রাহ্মণ অদুগী ইমুংদা চেনশিনখি ॥১৮॥ কুন্তীনা ইমুংদা চংখিবদু ব্রাহ্মণ অসি মহাক্কী মুপী, মচানিপা অমা অহংগা মচানুপী অমা কোইনম কমকুনা হিক হিক্না কপ্তুনা তৈবহ উকয়ে, অয়াবনা চিনবাল খুক খুক কংজি মায়থোং মকশিন্নি ॥১৯॥ ব্রাহ্মণনা হায়—জগৎ অসিদা লৈরিবা তাইবংমী এখোয়গী পুন্সি অসে উতোঙলী মতোঙম অমিং মমাং অমদি নরক ইহো হোবনি, সার ওইবা পোৎশক অমত্তা য়াওদ্রে, অমানবনি, কায়দবনি; অদুগী মথক্তা কাল্লবনি ওইরগা অয়াবগী কারণ অমদি ওইদুনা পাবজত্রবা পোৎশক কমলাকমী মরম ওইরমত্থ লৈরিবনি। অদুনা তোলিরকো মীওইবগী মপোক অসে ॥২০॥ হিংদুনবু লৈরিবা মথৈগি পুঙজরুমা অয়াবা, খাংজত্রবা য়েচাক অমসুং অহংবা অশাবা অসিনচিংবা মখোয় মশেনমকন্থ অমখা অমদা য়েংখিনবা মওংশিং অসিনা খুমিৎ খুদিং এখোয়দা আক্রমণ তৌশিল্লকইবনি ॥২১॥ জীব মথকুনা ধর্ম্ম, অর্থ অমদি কাম অহুম অসিগী সেবা তৌরিবনি, অদুম অসিবু যংজত্রবা জীব যানা অয়াবা খুলোংখিবা য়াবা কংবি ॥২২॥ কনা কনাগুম্না হায়নৈ—ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ হায়রিবা মরি অসিগী মধুনা মোক্ষ হায়বদি মুক্তি হায়বদি অয়াবা খুদম কংবনা অঙোইনমি হায়রে; অদুবু মুক্তি হায়রিবা মহাকমকন্থ মথৌতৌনম্থ পোৎশক অমং ওইদুনা তৈনা নত্তে। অদুমদি অর্থ হায়বদি লন-থুমবচিনা অতৈবা পোৎশক অসি তাকুশিননা হৌজিনবু মতোঙনা নরক অমদি পানা কংজনবগী অচৌবা মরম অমা ওইনা লৈয়র ॥২৩॥ লন-থুম অদু মংনমবগী যোংনবনা খুজত্রবা অয়াবা অমা থাংনজি, লন-থুম অদু মংনুরবা তুংদম্থ হায়রগী অয়াবা অহানগী মথং মথং মহাক্কী হাজকনী

যাবজ্জো যত্র সন্তাপো ব্রহ্মৈবাধিষ্ঠিতৈর্বিহন্যত । তাবজ্জ্ঞাহঙ্ক নিবর্ত্তেতে হৃদয়ে শোকশঙ্কবঃ ॥২৫॥
তদিদং জীবিতং প্রাপ্তা অস্মকালং মহাভয়ম্ । ত্যাগো হি ন ময়া প্রাপ্তো ভার্য্যয়া সহিতেন চ ॥২৬॥
নহি যোক্ষং প্রপশ্যামি যেন মুচ্যেয়মাপদঃ । পুত্রদারেণ বা সার্দ্ধং প্রদ্রবেয়মনাময়ম্ ॥২৭॥
যতিতং বৈ ময়া পূর্ব্বং বেত্থ ব্রাহ্মণি ! তত্তথা কেমং যতস্ততো গন্তুং ত্বয়া তু মম ন শ্রুতম ॥২৮॥
ইহ জাতা বিবৃদ্ধাস্মি পিতা চাপি মমেতি বৈ । উক্তবত্যসি দুর্ম্মেধে ! যাচ্যমানা ময়াঽসকৃৎ ॥২৯॥
স্বর্গতো হি পিতা বৃদ্ধস্তথা মাতা চিরং তব । বান্ধবা ভূতপূর্ব্বাশ্চ তত্র বাসে তু কা রতিঃ ॥৩০॥
সোঽয়ং তে বন্ধুকামায়া অশৃণ্বত্যা বচো মম । বন্ধুপ্রণাশং সম্প্রাপ্তো ভৃশং দুঃখকরো মম ॥৩১॥
অথবা মদ্বিনাশোঽয়ং নহি শক্যামি কঞ্চন । পরিত্যক্তুমহং বন্ধুং স্বয়ং জীবন্ নৃশংসবৎ ॥৩২॥
সহধর্ম্মচরীং দান্তাং নিত্যং মাতৃসমাং মম । সখায়ং বিহিতাং দেবৈর্নিত্যং পরমিকাং গতিম্ ॥৩৩॥
পিত্রা মাত্রা চ বিহিতাং সদা গার্হস্থ্যভাগিনীম্ । বরয়িত্বা যথান্যায়ং মন্ত্রবৎ পরিণীয় চ ॥৩৪॥
কুলীনাং শীলসম্পন্নামপত্যজননীমপি । ত্বামহং জীবিতস্যার্থে সাধ্বীমনপকারিণীম্ ॥৩৫॥

খুঙঙম্বি; লন-থুম অদুগী মকমদা ঐগীনি হায়বগী হৃংশিবদু পোকখ্রবা তুংদা, দাকুন, অমুক ·াংগোকখ্রবদি, তুংদা অমুক পুক্কমদবা অত্তাবা অমা ওইররে ॥২৪॥

নিংনরিবা পামজবা পোংশকশিং অদুগা লোয়ননা শমজিন্নরিবা অতোপ অতে'প্পা পোংশকশিং অতো জিত্রাতানা পামলিবা মাগী থমোইদা লাংতকনবা অত্তাবাগী মশক ওইররবা তিংখংনা যৈশিন্দনা খখ্রবদি ॥২৫॥ মরম অহনা ঐ অসি ঐগী মুপীগা লোয়ননা মতম খরদং লৈমিন্নকবদগী অত্তাবা পুন্সি ফংলক্ত তুং অসিদন্ন, মায় হায়বা খংন-খংনা থাদোকপা ঙমদ্রেদো ॥২৬॥ অত্তাবা অসিদগী মুক্তি ফংননবা উপায় অমত্তং য়েংবসি উদ্রে । নত্রগা হৌজিক খন্নফম হ'য়ববু মুপী অঙাংশিং অসিগা লোয়ননা পুক্কমে শমলোকত্তা চংখিবা তাই ॥২৭॥ ব্রাহ্মণি ! মমাংদুদা অত্তাবাসিগী কোরূনবা ঐনা হোৎনরুবাদো নংত্তু খংঙি । মফম অদুদা অত্তাবা খুদোংথিবা অমতা লৈরমদবনি, ঐদি মফম অদুদা চংনি মাইবনি, নংনা শিরগে হায়বমখৈ ময়াসে, ঐনা হায়বা বা অমতা তাখিদে ॥২৮॥ অপংবী ব্রাহ্মণী ! অত্তোপ্পা দেশ অমদা চংখ্রসি হায়দনা হন্ন হন্না অদুক হায়জববু নংনা তাখিদেদো, নংনা হায়খিববু "ঐদি মফম অসিদা পোকপনি, মফম অসিদা চাউবনি অদুগা ঐবু পোকপা ইপান্থ অসিদা লৈখিবনি" অসিনি ॥২৯॥ নহাক্কী পিতা মাতাদি নোংগাখিবা কুইখ্রে, মসিদা লৈরম্বা শাগৈ-নাত্তে কয়াম্থ শিখ্রবনি, অদুমক্তবা নংনা দেশ অসিদা অস্থুক লৈনিংলিবসি করিগীনো ? ॥৩০॥

নংনা শাগৈ নাত্তে মরূপ-মপাংশিংগা লৈমিন্ননিংবনা ঐনা হায়বা অমতা তাখিদ্রেদো ; ওত্তোক-পমিদা ! হৌজিক্তি শাগৈ নাত্তে মুংশিরুবমা পুক্কমত্তবা অত্তাবগী মশক ওইরবা নং-ঐ মাংননবা শাগৈ কুংনমবা থোদোক অদো থোক্করেদো ॥৩১॥ নত্রগা ঐ অসে হায়া মাংখ্রসি । মরমদি ঈরভূমা বিংবনা লৈহৌরগা হুংশিদ্বেত্রবা মীওদ ইতু-ইচাবু থাদোকপাদি ঙমলোই ॥৩২॥ ধর্ম্ম কর্ম্ম পুননকত্তা লোয়নবী, মতমদৈবখিবিত্তা ইন্দ্রিয় খুদম চনবী, ইমা শক্রুবী, দেবতাশিংনা ঐগী লোয়নবী ময়াম অথা ওইনা লেখীরক্কবী মহাক্তনা ঐগী চংজফম অথোইবা ওইরিবী, ইমা-ইপানা গৃহস্থ

পরিত্যক্তুং ন শক্ষ্যামি ভার্য্যাং নিত্যমনুব্রতাম্। কুত এব পরিত্যক্তুং সুতাং শক্ষ্যাম্যহং স্বয়ম্ ॥৩৬॥
বাল্যামপ্রাপ্তবয়সমজাতব্যঞ্জনাকৃতিম্। ভর্ত্তুরর্থায় নিক্ষিপ্তাং ন্যাসং ধাত্রা মহাত্মনা ॥৩৭॥
যয়া দৌহিত্রজাল্লোঁকানাশংসে পিতৃভিঃ সহ। স্বয়মুৎপাদ্য তাং বালাং কথমুৎস্রষ্টুমুৎসহে ॥৩৮॥
মন্যন্তে কেচিদধিকং স্নেহং পুত্রে পিতুর্নরাঃ। কন্যায়াং কেচিদপরে মম তুল্যাবুভৌ স্মৃতৌ ॥৩৯॥
যস্যাং লোকাঃ প্রসূতিশ্চ স্থিতা নিত্যমথো সুখম্। অপাপাং তামহং বালাং কথমুৎস্রষ্টুমুৎসহে ॥৪০॥
কুত এব পরিত্যক্তুং সুতং শক্ষ্যাম্যহং স্বয়ম্। প্রার্থয়েয়ং পরাং প্রীতিং যস্মিন্ স্বর্গফলানি চ ॥৪১॥
যস্য জাতস্য পিতরো মুখং দৃষ্ট্বা দিবং গতাঃ। অহং মুক্তঃ পিতৃঋণাদস্য জাতস্য তেজসা ॥৪২॥
দয়িতং মে কথং বালমহং ত্যক্তুমিহোৎসহে। তমহং জ্যেষ্ঠপুত্রং মে কুলনির্হারকং বিভুম্ ॥৪৩॥
মম পিণ্ডোদকনিধিং কথং ত্যক্ষ্যামি পুত্রকম্। ত্যাগোঽয়ং মম সম্প্রাপ্তো মম বা মে সুতস্য বা ॥৪৪॥
তব বা তব পুত্র্যা বা অত্র বাসস্য তৎ ফলম্। ন শৃণোষি বচো মহ্যং তৎফলং ভুঙ্ক্ষ্ব ভামিনি! ॥৪৫॥

আশ্রমদা লৈরিবমথৈ তৌরু-তৌরুবা ধর্ম্ম-কর্ম্ম পুন্নমক্কী শরুক ফংবম থোকপী ওইনা শেম্বীথ্রবী, মহাক অদুবু ঐনা, ইশানা য়ানা থব্বাইগী মাংদা নিযম কায়দনা মন্ত্রপাঠ তৌহনা লুহোংডুনা লৌকরবী, অফবা শাগৈ জাৎ অহেনবদা পোক্লবী, অফবা লমচৎনা তিল্লবী, ঐগী শাগৈ মরি তক্তনবা ইচা পিরিবী, পুকচেল শেংলবী, ঐগী ফত্তনবা অমতা তৌদ্রবী, সুমিৎ চুপ্পা থবক-ব্বাথল পুন্নমক্কা ইতুং ইল্লিবী অসিগুম্বী ভর্য্যাবু ঐ থক থাদোকপা ঙমলোই। অদুগা ঐমকনা ঐনা পোকচবী ইচাম্নুপী কন্যা অসিবু করম্না থাদোকনি; মহাক্কি নুপীমচা পিশক ওইতুনা লৈরি চহি মপুং ফাদ্রি, নুপী ওইবগী থুদম অমতা মশাদা লাক্তি, অদুগা ঐনা পিতৃ লোক পুমনমক্কা অমতা ওইনা ইচান্নুপীনা পোকপা ইশুশিংনা তৌরকপা যাগ-যজ্ঞনা ফংবা স্বর্গগী আশা তৌতুনা লৈরিবা ঐমক্কম্ব পোকচরিবী নুপী মচা ওইরিবী কন্যা অসিবু করম হায়না থাদোকনি ।৩৬—৩৮। মচানিপাগী মফমদা মপানা নুংশিবনা খিথহেল্লি হায়না থরনা লৌনৈ, অদুগা থরনা মচানুপীদা নুংশিবনা হেল্লি হায়নৈ; অদুগা ঐবু হায়রবু হায়রবদি অনি অসি চপ মান্নৈ ।৩৯। অদুগা মহাকম্ব মহাক্না পোকপা মচাগী মথক্তা ঐগী স্বর্গ ফংবগী আশা নান্দন লৈরিবা অদুগা মতম লৈবথিবিক্তা নুংঙায়বগী তুংনফম ওইতুনা লৈরিবী মরান লৈত্রবী ইচান্নুপী পিশক অসিবু করম হায়না থাদোকদোরিবনো ।৪০।

ঐনা ইথক্তনা করম তৌতুনা ইচানিপা অসিমম্ব তাক্লোকনি? করিনা হায়ববু মপা-মমাবু থোইথোকনা নুংঙায়বা পী হায়তুনা মচাবু নন্দন কৌনরিবনি অদুগা ইহান হানবদা স্বর্গ ফংলনবগী আশা তৌকমনি ইচানিপা অসিতনি ।৪১। পোক্লবা তুংদা মাগী মশক উবতদা পিতৃলোক পুন্নমক স্বর্গ কাখ্রবনি অদুগা মহাক্কী পাক্লেনা ঐহাকম্ব পিতৃঋণ কোবা লন্মন্দগী কোক্লবনি ।৪২। ঐনা ঐগী ইচানিপা নুংশিজরবা অসিবু করমনা থাদোকপা ঙমগনি? অদুগী মথক্তা মহাক্কি ঐগী ইচানিপা অহনবনি, পিবানি অদুগা ঐগী শ্রাদ্ধ তর্পন নচিংবা তৌননবগী অমত্ত ওইবা অধিকারীনি; অমম্বা অসিদা ঐনা মাবু থাদোকক্লোবসি কদায়দনো? অদুনা ঐগী, ইচানিপা অসিগী, নংগী, মচানুপী অসিগী থব্বাই থুননবগী মতম অদো থোক্ললে। শাওগলবী! ঐগী ইবা তাদবনা মচৈ অদে

অথবাহং ন শক্ষ্যামি স্বয়ং মর্ত্তুং সুতং মম। এবং ত্যক্তুং ন শক্নোমি ভবতীঞ্চ সুতামপি ॥৪৬॥
অথ মদ্রক্ষণার্থং ত্বা নহি শক্ষ্যামি রক্ষণ। পরিত্যক্তুমহং বন্ধুং স্বয়ং জীবন্নৃশংসবৎ ॥ ৪৭ ॥
তাশ্চ হ্যেতে ময়া ত্যক্তং নেহ শক্ষ্যন্তি জীবিতুম্। এবং কাস্তুতমত্যাগে নৃশংসো গর্হিতো বুধৈঃ ॥৪৮॥
আত্মত্যাগে কৃতে চেমে মরিষ্যন্তি ময়া বিনা। স কৃচ্ছ্র মহমাপন্নো ন শক্তস্তর্ত্তুমাপদম্ ॥ ৪৯ ॥
তহো ধিক্ কাং গতিং ত্বদ্য গমিষ্যামি সবান্ধবঃ। সর্ব্বৈঃ সহ মৃতং শ্রেয়ো ন চ মে জীবিতুং ক্ষমম্ ॥৫০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
বকবধে ব্রাহ্মণবিবাদো নামৈকপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(0)—

কংলো ॥৩৪—৪৫॥ ঐ ইথন্তা শিবা ভগ্নোই, অহৃগা ইচা অসিতবু, নত্রগা নংতবু নত্রগা ইচানুপী অসিত্তবুস্নু, ইথা-থাদোকপা ভমলোই ॥৪৬॥ অহৃগা ঐখোয় পুমনমক্কী ভাকননবগীদমক ঐখোয়দি হিংহনা লৈহৌরগা কনাগুম্বা মরূপ-মপাং অমবু পুরক্তুনা লুংশিহৈতনা ঐখোয়গী ইহুংশিলহনশিবস্নু ভমলোই ॥৪৭॥ অহৃগা নখোয়বু থাদোকখিহ্না ঐইথন্তনা হিংহনা লৈহৌবা হায়বা অহমা ভম্মরোই। নখোয়গী মরক্তা কনাবুস্নু থাদোকপা হায়বসি লুংশি হৈত্তবগী থবকনি, সাধুশিংনা নিন্দা তৌনবা থবকনি ॥৪৮॥ ঐনা করিগুম্বা থব্বাই থাথ্রবদি ঐ লৈত্রবদিনা নখোয়স্নু অমতমক হিংহৌরোই-দৌরি। অহুনা হায়কম থংত্রবা অব্বাবদা তারে, অব্বাবসিদগী কোক্লবা উপায় অদ্দতস্নু উত্রে ॥৪৯॥ ওস্থোকপনি! অব্বাবনি! ঐনা ভসি ইচা-ইশুশিং অসিগা লোয়ননা হিংহৌনবা উপায় অসি করিনো? ফরে অহমণ্ডাইরে, ঐখোয় পুম্নমক মতম অমতদা শিমিন্নরসি, মাহুনা হেক মফরে. ঐনা হিংহুনা লৈহৌবা হায়বসে ইচুম চুমদবনি ॥৫০॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতত্তা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অদিপর্ব্বদা বকবধ কৌবগী মতাংদা ব্রাহ্মণবিবাদ কৌবা চামগা য়াথৈমাথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(•):——

শ্রীমহাভারতম্

(বক হিংচাবগী মরমদা ব্রহ্মাণদা ব্রাহ্মণীনা হায়বা)

(চামা য়াথৈনিথোই শুব্বা অধ্যায়)

——:(†):——

ব্রাহ্মণ্যুবাচ।

ন সন্তাপস্ত্বয়া কার্য্যঃ প্রাকৃতেনেব কর্হিচিৎ। ন হি সন্তাপকালোঽয়ং বৈদ্যস্য তব বিদ্যতে ॥ ১ ॥

ব্রাহ্মণীনা হায়—অণাংবা মীগী মতৌগুম্বা অরেব্বদা থোইনা বাবিশনু ইবুঙো! মরম্বদি মহাক্তি জ্ঞান তাপ্রবা হৈরবা ব্রাহ্মণ পণ্ডিতনি; অহৃনা মীচমগুম্বা অরেব্বদা বাহুনা লৈবগী মতম নত্রে ॥১॥

অবশ্যং নিধনং সর্ব্বৈর্গন্তব্যমিহ মানবৈঃ। অবশ্যভাবিন্যর্থে বৈ সন্তাপো নেহ বিদ্যতে ॥২॥
ভার্য্যা পুত্রোঽথ দুহিতা সর্ব্বমাত্মার্থমিষ্যতে। ব্যথাং জহি স্ববুদ্ধ্যা ত্বং স্বয়ং যাস্যামি তত্র চ ॥৩॥
এতদ্ধি পরমং নার্য্যাঃ কার্য্যং লোকে সনাতনম্। প্রাণানপি পরিত্যজ্য যদ্ভর্ত্তুর্হিতমাচরেৎ ॥৪॥
তচ্চ তত্র কৃতং কর্ম্ম তবাপীদং সুখাবহম্। ভবত্যমুত্র চাক্ষয্যং লোকেঽস্মিংশ্চ যশস্করম্ ॥৫॥
এষ চৈব গুরুর্ধর্ম্মো যং প্রবক্ষ্যাম্যহং তব। অর্থশ্চ তব ধর্ম্মশ্চ ভূয়ানত্র প্রদৃশ্যতে ॥৬॥
যদর্থমিষ্যতে ভার্য্যা প্রাপ্তঃ সোঽর্থস্ত্বয়া ময়ি। কন্যা চৈব কুমারশ্চ কৃতাহমনৃণা ত্বয়া ॥৭॥
সমর্থঃ পোষণে চাপি সুতয়ো রক্ষণে তথা। ন ত্বহং সুতয়োঃ শক্তা তথা রক্ষণপোষণে ॥৮॥
মম হি ত্বদ্বিহীনায়াঃ সর্ব্বপ্রাণধনেশ্বর। কথং স্যাতাং সুতৌ বালৌ ভবেয়ঞ্চ কথং ত্বহম্ ॥৯॥
কথং হি বিধবানাথা বালপুত্রা বিনা ত্বয়া। মিথুনং জীবয়িষ্যামি স্থিতা সাধুগতে পথি ॥১০॥
অহঙ্কৃতাবলিপ্তৈশ্চ প্রার্থ্যমানামিমাং সুতাম্। অযুক্তৈস্তব সম্বন্ধে কথং শক্ষ্যামি রক্ষিতুম্ ॥১১॥
উৎসৃষ্টমামিষং ভূমৌ প্রার্থয়ন্তি যথা খগাঃ। প্রার্থয়ন্তি জনাঃ সর্ব্বে পতিহীনাং তথা স্ত্রিয়ম্ ॥১২॥

সংসার অসিদা হেক লৈরিবা মী জীবপানবা পুম্নমক অশিবগী থয়াত্তা শোয়দনা তাগদবা মরেরে। অদুনা অসিগুম্বা শোয়দনা থোক্লগদবা বিষয় অসিদা ৱাননবগী মরম করিমতা লৈতে ॥২॥ মতু-মচা নিপা-নুপী খোংথোল্লা মীওইবনা মচাগী কান্নবগীদমক্তা পাম্নরিবনি। অদুনা অহারা থাদোকপিয়ু ইবুঙো, হিংচাবগী মফম ঐ হেক্ত চংচগে ॥৩॥ থৱাই কাওবা পাম্মুবা লৈতনা থাদোক্তুনা মপুরোইবগী কান্নবা তৌরম্বনা নুপী ওইবগী, লৈশেমদ্রেদগী চংনরক্লবা থৱাইদগী হেন্না ফরবা মথৌ মমেদি ধর্ম্মনি ॥৪॥ মরম অদুনা ঐতনবু থবক অসি পাংথোক্লম্বদি ইবুঙো নহাক্কিসু নুংঙাইবা ওইগনি; ননাইগীসু লোক অসিদা লেংত্রবা মিংচং অদুগা পরলোকতসু কানাং অতা লৈত্রবা মহৈ শোয়দনা ফংলুরগনি ॥৫॥ ঐনা ইবুঙোগী মফমদা হায়জগদৌরিবসিনা অথোইবা ধর্ম্মনি, অদুগা হায়জগদৌরিবসিদা নহাকীদি ধর্ম্ম-অর্থ অনিগী হায়বদি ধর্ম্ম অমসুং লন অনিমকসু য়াম্না মরাংকায়না পূম্না লৈব উরে ॥৬॥ মীওইবনা যুম পান্নগা নুপীগী মকমদগী পাম্বা পোৎশক অদো ইবুঙো নহাকসু ঐঙোন্দগী মাঙমক ফংবিরেদো। করিনা হায়রবু ঐঙোন্দগী নচানিপা অমগা নুপী অমগা অনি ফংবিরে, অদুগা নহাক্সু ঐঙোন্দা ইচানিপা নুপী পীনবিদুনা ঐবুসু নুপী ওইনা পোকপগী লমনদগী কোকপিরে ॥৭॥ অদুগা হৌজিক নহাক্তি ইচানিপা-নুপী অনিসিবু য়োক থাকপা ঙম্মিহৌগনি অদুগা ঐদি মসনা তৌবঙমদি ঙমজরোই ॥৮॥ থৱাইগী মবুঙো। ঐবু লোইবা। নহাক্না লৈত্রবদা অঙাং অনিগী কারি দশা ওইহৌরগদগে, অদুগা ঐগী মঙংনা কমদৌহৌগদৌরিবা। ॥৯॥ মং লৈত্রবদা ইচা অনিসিসু পিশক পিশক পীকলিবা, লুখ্রাবী ওইহৌরবী ঐনা ইপুরোয়বা য়াওদনা নত্তবা লম্বীদা চত্তুনা করিগী ইচা অনিবু হিংহনজগদগে? ॥১০॥ নহাকী শাগেগা তিজদুনা সম্বন্ধ থম্বা য়াত্রবা, মতিক চাত্রবা অমদি মরল মথুরগী লাপনা তৌরবা নিপা অমনা ইচানুপী অসিবু পীবু হায়ররবা, ঐনা করম হায়না ইথকনা মাবু ডামকপেনুনা কানুনা থম্বা ঙমগদগে ॥১১॥
লৈমায় ওকক হুৎনোল্লবা ভারবা শাহসু উত্তেক অমাম্বা লাকচুনা চাগনবগী হোৎনবরুন, নিপা

সাঽহং বিচাল্যমানা বৈ প্রার্থ্যমানা দুরাত্মভিঃ। স্থাতুং ন পথি শক্ষ্যামি সজ্জনেষ্টে দ্বিজোত্তম ! ॥১৩॥
কথং তব কুলস্যৈকামিমাং বালামসংস্কৃতাম্। পিতৃপৈতামহে মার্গে নিযোক্তুমহমুৎসহে ॥১৪॥
কথং শক্ষ্যামি বালেঽস্মিন্ গুণানাধাতুমীপ্সিতান্। অনাথে সর্ব্বতো লুপ্তে যথা ত্বং ধর্ম্মদর্শিবান্ ॥১৫॥
ইমামপি চ তে বালামনাথাং পরিভূয় মাম্। অনর্হাঃ প্রার্থয়িষ্যন্তি শূদ্রা বেদশ্রুতিং যথা ॥১৬॥
তাঞ্চেদহং ন দিৎসেয়ং সদ্গুণৈরুপবৃংহিতাম্। প্রমথ্যৈনাং হরেয়ুস্তে হবির্ধ্বাঙ্ক্ষা ইবাধ্বরাৎ ॥১৭॥
সম্প্রেক্ষমাণা পুত্রং তে নানুরূপমিবাত্মনঃ। অনর্হবশমাপন্নামিমাঞ্চাপি সুতাং তব ॥১৮॥
অবজ্ঞাতা চ লোকেষু তথাত্মানমজানতী। অবলিপ্তৈর্নরৈর্ব্রহ্মন্ ! মরিষ্যামি ন সংশয়ঃ ॥১৯॥
তৌ চ হীনৌ ময়া বালৌ ত্বয়া চৈব তথাত্মজৌ। বিনশ্যেতাং ন সন্দেহো মৎস্যাবিব জলক্ষয়ে ॥২০॥
ত্রিতয়ং সর্ব্বথাঽপ্যেবং বিনশিষ্যত্যসংশয়ম্। ত্বয়া বিহীনং তস্মাত্ত্বং মাং পরিত্যক্তুমর্হসি ॥২১॥
ব্যুষ্টিরেষা পরা স্ত্রীণাং পূর্ব্বং ভর্ত্তুঃ পরা গতিঃ। ন তু ব্রহ্মন্ ! সপুত্রাণামিতি ধর্ম্মবিদো বিদুঃ ॥২২॥
পরিত্যক্তঃ সুতশ্চায়ং দুহিতেয়ং তথা ময়া বান্ধবাশ্চ পরিত্যক্তাস্ত্বদর্থং জীবিতঞ্চ মে ॥২৩॥

পুম্নমক্কা মপুরোয়বা লৈত্রবী মুপীবু শারুগদবগী হোৎনৈ, হায়জে ॥১২॥ ব্রাহ্মণ অথোইবা ! মবুকচেল ফজ্রবা তমথিরবা মীনা ঐবু হায়জত্তুনা অসতী ওইহন্দুনা মুপীগী চৎকদবা লম্বীগী লীক্লম কায়হনখিগনি, মতম অত্তদা ঐদি অচুম্ব অফবা লম্বীদা লৈবা ঙমগনি হাযবা উদ্রে ॥১৩॥ মহাক্কী শাগৈদা পোক্রবী ইচা মুপী কন্যা অসিগী হৌজিক ফাওবা হাযজবা থাজবা তৌত্রি, অবস্থা অসিদা ঐনা কবম্না মহাক অসিবু মমাংথৈগী গুরুজনশিংগী চৎনরকপা নিয়ম অহ কায়দনা অফবা মতিক চাবা সৎপাত্র অমদা থাজবা ঙমগদগে ॥১৪॥ অঙাং নিপা মচা অসিগী কনাগুম্বা ঙাকশেন্দুনা য়োকপি থাকপীহৌনবা অমত্তা লৈহৌরোইদৌরি, অত্তুনা অফবা লমচৎ হিরম পুম্নমক্কগী নাম্থোকহৌগদৌরি, মতম্ন অত্তুদা ধর্ম্ম খংলবা নহাক্তুম্না ঐনা করম্না মহাকপু অফবা পামজবা গুণ পুম্বনা লৈতেংনবা তাকপি তীকপিবা ঙমগদগে ॥১৫॥ শূদ্রশিংনা বেদ তমগে খংগে হায়না অধিকার তঙ্লকপগুম, মতিক চাদ্রবা মী ঙাক্তনা ঐবু উশিন্তত্তুনা, নচামুপী কন্যাশিবু হায়জরক্কনিদো ॥১৬॥ অত্তুগী তুংদা গুণ পুম্বনা তিল্লবী ইচামুপীশিবু মতিক চাদবা পীনিংদ্রবদা, কাকশিংনা যজ্ঞমণ্ডপ মনুংদগী যজ্ঞগী ঘীনচিংবা সামগ্রীবু হুইনা লাকখিবগুম ফজ্রবশিংনা নমত্তুনা ইচা মুপীসিবু হুত্তুনা পুখিগনি ॥১৭॥ অত্তুদগীদি ইচা অসে নংগী শাগৈদা লৈবগী মতিক চাদ্রবা হায়বত্তু ওইরকলেদো, ইচা মুপীস্থ মতিক চাদ্রবা অমগী মখা পোন্দুনা লৈহৌরে, অহ্ন ঐনা য়েংহনা অসুম মরৈহৌরগনি। অত্তুগা ইশাগীদি তৌনিংবাই পাঙল লৈত্রবস্থ ইশাবু মী অমনা উশিং থোওক্তদবীমি হায়বশিদি ঐস্থ নীংবা ঙম্মোইদৌরি, নাপল ময়াম্ন কারবশিংনস্থ ঐবু অত্তুমক থোওইরোইদৌরি ; অত্তুদগী ঐস্থ খাংবা ঙমদনা শোয়দনা আত্মাঘাত তৌহনা শিবা তারে ॥১৮–১৯॥ মরুম অত্তুনা ইচা নিপা অমদি ইচামুপী কন্থা অমি অসি ঐগা নংগা লৈত্রবদা ঈশিং লৈত্রবদা ঙানা কন্ত্রনা শিবগুম শিহৌরনি, মাসে শোয়দনা থোকহৌরগনি ॥২০॥ মতৌ অস্থম্না নথস্তনা লাংশিবনা মী অমম মাংবা তারে, অসিনা কন্নিভা চিংনবম লৈত্তে। মরম অত্তুনা নহাক্না ঐবু থাদোকশিন্ন ॥২১॥ ব্রাহ্মণ ! মচা পোকপী মুপীমী থোইনা মরাইবক ফবা হায়ববু মপুরোইবগী

যজ্ঞৈস্তপোভির্নিয়মৈর্দানৈশ্চ বিবিধৈস্তথা। বিশিষ্যতে স্ত্রিয়া ভর্তুর্নিত্যং প্রিয়হিতে স্থিতিঃ ॥২৪॥
তদিদং যচ্চিকীর্ষামি ধর্ম্মং পরমসম্মতম্। ইষ্টঞ্চৈব হিতঞ্চৈব তব চৈব কুলস্য চ ॥২৫॥
ইষ্টানি চাপ্যপত্যানি দ্রব্যাণি সুহৃদঃ প্রিয়াঃ। আপদ্ধর্ম্মপ্রমোক্ষায় ভার্য্যা চাপি সতাং মতম্ ॥২৬॥
আপদর্থে ধনং রক্ষেদ্দারান্ । আত্মানং সততং রক্ষেদ্দারৈরপি ধনৈরপি ॥২৭॥
দৃষ্টাদৃষ্টফলার্থং হি ভার্য্যা পুত্রো ধনং গৃহম্। সর্ব্বমেতদ্বিধাতব্যং বুধানামেষ নিশ্চয়ঃ ॥২৮॥
একতো বা কুলং কৃৎস্নমাত্মা বা কুলবর্দ্ধনঃ ন সমঃ সর্ব্বমেবেতি বুধানামেষ নিশ্চয়ঃ ॥২৯॥
স কুরুষ্ব ময়া কার্য্যং তারয়াত্মানমাত্মনা। অনুজানীহি মামার্য্য! সুতৌ মে পরিপালয় ॥৩০॥
অবধ্যাং স্ত্রিয়মিত্যাহুর্ধর্ম্মজ্ঞা ধর্ম্মনিশ্চয়ে। ধর্ম্মজ্ঞান্ রাক্ষসানাহুর্ন হন্যাৎ স চ মামপি ॥৩১॥
নিঃসংশয়ো বধঃ পুংসাং স্ত্রীণাং সংশয়িতো বধঃ। অতো মামেব ধর্ম্মজ্ঞ! প্রস্থাপয়িতুমর্হসি ॥৩২॥
ভুক্তং প্রিয়াণ্যবাপ্তানি ধর্ম্মশ্চ চরিতো ময়া। ত্বৎ প্রসূতিঃ প্রিয়া প্রাপ্তা ন মাং তপ্স্যত্যজীবিতম্ ॥৩৩॥
জাতপুত্রা চ বৃদ্ধা চ প্রিয়কামা চ তে সদা। সমীক্ষ্যৈতদহং সর্ব্বং ব্যবসায়ং করোম্যতঃ ॥৩৪॥

মাং থান শিখিবা অসিতনি, অস্থম হায়না ধর্ম্ম থংবা মীশিংতনা থম্মে, হায়নৈ ॥২২॥ ঐনা নহাক্কী দমক্তা ইথব্রাই, ইচা নিপা, সুপী অমদি হেক লৈরিবা শাগে নাত্তে পুম্বা থাদোকচববনি ॥২৩॥ করিনা হায়ববু মখল মখ। অয়াম্বা যজ্ঞ দান হোম জপ ব্রত পুম্নমক তৌববুদি মুপীগীদি মপুরোইবগী ফননবা অমদি মুংশিবা থবক তৌবতনা অহেনবা ধর্ম্মনি ॥২৪॥ ঐনা থল্লিবা ৱাখল অসে, সাধু মহাত্মাশিংনা য়ানরবা অমসুং নহাক্কী বংশ অসিগী কান্নবা অমসুং অপাম্ব মক্তনি ॥২৫॥ মপা মমানা হায়বা ইনবা, পামজরবা মচা, লল, মহ্মপ মপাং, মুংশিনবা মী, মতু মচা অপুম্ব অৱাবদগী লান্থোক্নবা উপায় মক্তনি, মাসি সাধু মহাত্মাশিংগী অমতা ওইনা য়ানরবা মতনি ॥২৬॥ কাল অমদা অৱাবা কোক্লনবগী দমক্তা থমগনি, লল অদুনা মুপীবু ঙাক্‌নি য়োক্কনি। মুপীগা ললগা অনি অহুনা অমুক মশামকপু ঙাক্কনি ॥২৭॥ মতু মচা লল য়ুম পুম্নমক অসি মীরমলেন লাইরমলেন অনিগী মহে চানবা থবক্তা শিজিন্নগনি, মাসি অহৈ অশিংশিংগী অমতা ওইবা মতনি ॥২৮॥ অমরোমদা শাগে নাত্তে পুম্নমক অমরোমদনা শাগেন্থবু চাওথংহল্লিবা মশামক অনি অসে থক মান্নদা হৌনদে, মাসিমকসু অহৈ অশিংশিংগী য়ানথব্রবা মত অমনি ॥২৯॥ মরম অহুনা ঐনা উপায় ওইহুনা নশাবু কন্নবা তৌবিয়ু, নশাগী পোৎনা নশাবু কন্নবা হোৎনবিয়ু, য়াথং পীবিরো, ইচা অপিশক অনিসি য়োক্কনা লৈবিহো ॥৩০॥ ধর্ম্ম থংবশিনা ধর্ম্মগী মওং লেপ্নবা মতমদা করি হায়বগে হায়বদা মুপী হায়বসিদি করিগুম্বা হাৎপা ফুব চৈব য়াদে, অহগা হিংচাবশিংসু ধর্ম্ম অসি থংলিবনি অমুম্বা ধর্ম্ম থংবা মীশিংনা হায়। অহুনা হোরেল হিংচাব অদুনা ঐবু হাৎতবসু য়ানা লৈ ॥৩১। নিপাদি হাৎখিবা শোয়দ্রে, মুপীদি হাৎপগা হাত্তবগদ হাত্তবনা নম্না লৈ, অদুনা হিংচাবগী মফমদা ঐবু থাবিরো ॥৩২॥ শেৎ চাগজবা কয়া শেৎ চারে, অপাম্বা পোৎচৈ কয়া ফংলে, মুংঙাইরে, দান যজ্ঞনচিংবা ধর্ম্মগী থবক কয়া তৌজরে, মুংশিজরবা ইচা নিপা মুপী নঙোন্দগী ফংজরে, অসি মগায়। অদুনা ঐঙোন্দা অশিবনা অয়াব অকিব করিমতা পীব ওম্মরোই ॥৩৩॥ ইচা পোক্রে, অহল ওইরকলে, মতম লৈব খিবিক্তা নাংগী

উৎসৃজ্যাপি হি মামার্য্য ! প্রাপ্স্যস্যন্যামপি স্ত্রিয়ম্। ততঃ প্রতিষ্ঠিতো ধর্ম্মো ভবিষ্যতি পুনস্তব ।।৩৫।।

ন চাপ্যধর্ম্মঃ কল্যাণ ! বহুপত্নীকতা নৃণাম্। স্ত্রীণামধর্ম্মঃ সুমহান্ ভর্ত্তুঃ পূর্ব্বস্য লঙ্ঘনে ।।৩৬।।

এতৎ সর্বং সমীক্ষ্য ত্বমাত্মত্যাগঞ্চ গর্হিতম্। আত্মানং তারয়াদ্যাশু কুলঞ্চমৌ চ দারকৌ ।।৩৭।।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তস্তয়া ভর্ত্তা তাং সমালিঙ্গ্য ভারত ! । মুমোচ বাষ্পং শনকৈঃ সভার্য্যো ভৃশদুঃখিতঃ ।।৩৮।।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

বকবধে ব্রাহ্মণীবাক্যং নাম দ্বিপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।।০।।

——০:(*):০——

কান্নবা, নংনা য়াবা অপাম্ব থবক্ত তৌজরক্রে, পুন্নমক অসি মুম্না থল্লগা শিখ্রগে হায়না থৌরাং তৌজরবনি ।।৩৪।। ইবুঙো ! নংন ঐবু থাদোকপিরগা অতোপ্পী মুপী অমবু লৌবিহৌব য়াই, অদুম তৌরবদি গৃহস্থ ধর্ম্মস্থ অমুক লিংখত্নুনা কাযহন্দবা য়াই ।।৩৫।। ঐগী মঙ্গলগী মশক ওইরবা ! নিপানা মুপী য়াম্না লৌবদি থোইনা ধর্ম্ম বায়ব নত্তেদো, অদুগা হান্নগী মপুরোইববু থাদোক্লুনা অতোপ্পা নিপা অমবু মপুরোইবগুম লৌরবদি মুপীগীদি কল্লবা অধর্ম্ম অমনি ।।৩৬।। নহাক্না অসি পুন্নমক মুম্না অমুক্কং খনবিরগা, অদুগা আত্মাঘাত তৌদুনা শিব হায়বসি মীনা থীনা ঙাংনহৌগনি হায়বসি খনবিহুনা নশাবু, বংশবু অমদি নচা অনি সিবুসু উদ্ধার অমুক্ত তৌবিরম্মু ।।৩৭।। বৈশম্পায়ননা হ'য়— মহারাজ ! ব্রাহ্মণীনা অসুম হায়রবদা মপুরোইব ব্রাহ্মণ অদুনা মহাকপু মুংশিনা চেংনা কোল্লহনা যাম্না ৱানা মখোয় অনি অমগা অমগা য়েংনহনা হিক্ক হিক্ক কপমিন্নরক্লে মিৎলুদগী মপি শিহুনখি ।।৩৮।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেৎবা সংহিতা আদি-পর্ব্বদা বকবধগী মতাংদা ব্রহ্মণীবাক্য কৌবা চামগা য়াংখৈনিথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ।।০।।

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(ব্রাহ্মণগী মচানিপা মুপীনা হায়রকপী ৱারী)

(চাম্মা য়াঙৈখুদ্দমদোই শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তয়োর্দুঃখিতয়োর্বাক্যমতিমাত্রং নিশম্য তু। ততো দুঃখপরীতাঙ্গী কন্যা তাবভ্যভাষত ॥১॥

কিমেবং ভৃশদুঃখার্ত্তৌ রোরূয়েতামনাথবৎ। মমাপি শ্রূয়তাং বাক্যং শ্রুত্বা চ ক্রিয়তাং ক্ষমম্ ॥২॥

ধর্ম্মতোঽহং পরিত্যাজ্যা যুবয়োর্নাত্র সংশয়ঃ। ত্যক্তব্যাং মাং পরিত্যজ্য ত্রাহি সর্ব্বং ময়ৈকয়া ॥৩॥

ইত্যর্থমিষ্যতেঽপত্যং তারয়িষ্যতি মামিতি। তস্মিন্নুপস্থিতে কালে তরধ্বং প্লববন্ময়া ॥৪॥

ইহ বা তারয়েদ্দুর্গাদুত বা প্রেত্য তারয়েৎ। সর্ব্বথা তারয়েৎ পুত্রঃ পুত্রঃ ইত্যুচ্যতে বুধৈঃ ॥৫॥

আকাঙ্ক্ষন্তে চ দৌহিত্রান্ ময়ি নিত্যং পিতামহাঃ। তান্ স্বয়ং বৈ পরিত্রাস্যে রক্ষন্তী জীবিতং পিতুঃ ॥৬॥

ভ্রাতা চ মম বালোঽয়ং গতে লোকমমুং ত্বয়ি। অচিরেণৈব কালেন বিনশ্যেত ন সংশয়ঃ ॥৭॥

বৈশম্পায়ননা হায়— থোইন ৱারবা মমা মপা অনিগী মতৌ উবদা অমদি হায়রিব ৱাহৈ তাবদা যাম্না শুংঙাইত্রবী মচা মুপী অদুনা হায়রকই ॥১॥ পাবুংগা ইমাগা অনিনা করিগী দমক কনাস্থ কনাস্থ লৈজত্রবগুম্না অদুক য়াম্না ৱাদুনা কপ লাওরিবনো ? ঐস্থ হায়জগে অমুক্ত তাবিয়ু, তারগা অচুম্বা তৌগদব অদুদ তৌবিয়ু ॥২॥ ধর্ম্মগী মতুং ইন্না হায়করবদি পাবুং ইমাখোয়না ঐবু থাদিকম থোকই ; মাসিদা করিমতা চিংনফম লৈতে। থাদোকফম হুন্দোকফম থোক্লবী ঐবু থাদোক্লগা ইথস্তনা পাম্বে ওইহনা ময়াম্মক হিংবিহৌ ॥৩॥ মচানা অৱাবদগী লাস্থোকহনগনি হায়দুনা মমা মপানা মচাবু পাম্লরিবনি। অৱাবা কোক হম্নবগী মতম অদো হৌজিক লাক্লে। মরম অদুনা হি তোংহনা ঈপাক লানবগুম ঐনা পাম্বে ওইদুনা অৱাব-ঈপাক অসি লাস্থোকপিহৌ ॥৪॥ মচা হায়বসিনা ইহলোক অসিদ মমামপাবু অৱাবদগী নাস্থোকহল্লি, পরলোকতা নরকতগী কল্লি, মরম অদুনা ইহলোক-পরলোক মফম পুম্নমক্ত মচা হায়বসিদি মমা মপাবু ইকন্ত কল্লিবনি, অদুনবু অশিংব অহৈবশিংনা "মচা" কৌনরিবনি (*) ॥৫॥ অদুগা অমুকন্ন ইপা ইপু অহল লমনশিং অদুনা ঐগী ইকমদগী মচা মুপীন পোকপ মগু ফংননবা আশা তৌনরিবনি, ঐহাক্তি ইপাবু কল্লরগা ইচা পোক্তি্রঙৈদা ইশামক্লা ইপা ইপুশিং অদুবু কণ্ডরয়গে ॥৬॥ পাবুংগা ইমাগা অনিনা লৈখিত্রবদা ইপন্বা নিপা অঙাং অসিসু

(*) টীকা :—আসাম প্রদেশদা লৈবা অৱাম্বগী উচ্চারনদা "শ" বু "চ" ওইনা হায়গল্লি, "স" বু "হ" ওইনা হায়বনা নাস্থি; মরম অদুনা "মচা" হায়বদি "মশা" বু হায়বনি। "মচা" হায়বসি "মশাবু" কনগনি (আত্মনাত্মানমুদ্ধরেৎ) হায়বদি মশানা মশাবু কনগনি হায়বনি। হায়বদি মচা হায়বসি মশাগা অমত্তনি।

তাতেঽপি হি গতে স্বর্গং বিনষ্টে চ মমাগ্রজে। পিণ্ডঃ পিতৄণাং ব্যুচ্ছিদ্যেত্তত্তেষাং বিপ্রিয়ং ভবেৎ ॥৮॥
পিত্রা ত্যক্তা তথা মাত্রা ভ্রাত্রা চাহমসংশয়ম্। দুঃখাদ্দুঃখতরং প্রাপ্য ম্রিয়েয়মতথোচিতা ॥৯॥
ত্বয়ি ত্বরোগে নির্ম্মুক্তে মাতা ভ্রাতা চ মে শিশুঃ। সন্তানশ্চৈব পিণ্ডশ্চ প্রতিষ্ঠাস্যত্যসংশয়ম্ ॥১০॥
আত্মা পুত্রঃ সখা ভার্য্যা কৃচ্ছ্রন্তু দুহিতা কিল। স কৃচ্ছ্রান্মোচয়াত্মানং মাঞ্চ ধর্ম্মে নিয়োজয় ॥১১॥
তদনাথা কৃপণা বালা যত্র ক্বচন গামিনী। ভবিষ্যামি ত্বয়া তাত বিহীনা কৃপণা সদা ॥১২॥
অথবাহং করিষ্যামি কুলস্যাস্য বিমোচনম্। ফলসংস্থা ভবিষ্যামি কৃত্বা কর্ম্ম সুদুষ্করম্ ॥১৩॥
অথবা যাস্যসে তত্র ত্যক্ত্বা মাং দ্বিজসত্তম!। পীড়িতাহং ভবিষ্যামি তদবেক্ষস্ব মামপি ॥১৪॥
তদস্মদর্থং ধর্ম্মার্থং প্রসবার্থঞ্চ সত্তম!। আত্মানং পরিরক্ষস্ব ত্যক্তব্যাং মাঞ্চ সন্ত্যজ।
অবশ্যকরণীয়ে চ মা ত্বাং কালোঽত্যগাদয়ম্ ॥১৫॥
কিংত্বতঃ পরমং দুঃখং যদ্বয়ং স্বর্গতে ত্বয়ি। যাচমানাঃ পরাদন্নং পরিধাবেমহি শ্ববৎ ॥১৬॥

মতম থবগী মন্নুংদা শোয়দনা শিখিবা তাবে, মাসি শোয়দনা মপোকলবগদবনি, করিমতা চিংনফম লৈতে। ৭॥ ইপানস্থু নোংগাখ্রবা ইপব্রা নিপা সিনস্থ লৈত্রবদা ইপা ইপু পিতৃলোককী পিণ্ডদান তৌবিহৌনবা লৈহৌদ্রবনা পিণ্ডলোপ (পিণ্ড-মুৎপা) হায়বত্থু ওইহৌব তারে, মাসি ইপা ইপুশিং অদুগী মফমদা যামনা লানবা শাওনিংফম থোকপা থবক অমনি ॥৮॥ ইমা ইপানা হুন্দোকপিরম্ববী ঐনা চংজফম লৈতহনা ঘ্রানা শিবদি চুমদে, ইমা ইপা ইবুং ইপব্রানবু ইথন্ত হুন্দোকপিরম্রবদি সংসার অসিদা পুক্তমদবা অব্রাবা কয়া কয়া পুরগা ব্রামনথিবনা শোয়দনা শিহৌরগদবনি ॥৯॥ অনা অয়েক করিমতা য়াওদনা পাবুংনা শিথ্রবদি ইমা, অঙাং ওইরিবা ইপব্রা নিপা, শাগৈ মাতে অমত্থুং পিতৃলোক পুমনমক্কী পিণ্ড মুৎপা হাযবদো শোযত্রবনি, করিমতা চিংনফম লৈত্রে ॥১০॥ মচা নিপাদি মশামক্কা অক্কানি, মুপীনা মশাগী চান্নখ্রবা মক্কপ অমনি, অদুগা মচা মুপী হায়বাসিদি মমা মপাগী ব্রাননবগী দমক্তনি, অদুগা পাবুংগা ইমাগা অনিনা ইহাকথক্তগী ফংগদবা অব্রাব অহুদগী কোকপিহৌ, ধর্ম্মগী মতুংদা ঐহাকপু ধর্ম্মগী থবক্ত শিজিন্নবিয়ু ॥১১॥ অদু নত্রবদি ঐদি তোল্লবী মুপী মচানিদো, অহনা অফ ফত্ত থংদনা অফংবা মফম অমদা শোয়দনা আশ্রয় লৌকবা তারে। করিনা হায়ববু পাবুং। তাবিয়ু পাবুং লৈত্রবদা ঐ অসে চংজফম লৈত্রবী হায়বত্ত ওইহৌরগদবনি ॥১২॥ অদুনা চংজফম লৈতহনা লৈহৌগদবগী শরুকপুদি তৌরমদবা থবক তৌদুনা বংশ অসিগী লান্নবা উপায় তৌজরমগে, অদুগা ইশামক্কী মীওইব মপোকপু মহৈ য়ালহক্করমগে ॥১৩॥ মরম অহনা অথোইব ব্রাহ্মণ ওইরবা! পাবুংনা ঐবু হুন্দোকপিরমদুনা মফম অহুদা চৎখ্রবদি ঐদি য়াম্না অব্রাব তাহৌব তারে, অদুনা ঐগী মরমদা করিমত্তা খনবিরগনু। ১৪॥ অথোইবা সাধু ওইরবা! ঐগী মপোক অসি মহৈ য়ালহনবিগে হায়বগী দমক অদুগা ধর্ম্ম অমদি নচানিপাবু ভাক্লনবা ঐবু থাদোকপদি মতারবনি। অদুনা থাদোকপিরো, শোয়দনা তৌগদবা অমদি তৌগদবমক লৈরবা বিষয় অসিদা অমুক কুইনা থমদুনা অরেমবা মতম অসি হৌখিদনবা তৌবিয়ো ॥১৫॥ পাবুং! অধুক্ত খনবিয়ু, পাবুংনা লৈখিদ্রবদা ঐনা হুইগী মতৌগুম য়ুমথোং থুদিংদা চেং থুয়া অমমম কোয়নি নিদুনা অমদগী অমদা কোয়চেল্লচেলহৌব ঐ

ত্বয়ি ত্বরাগে নির্ম্মুক্তে ক্লেশাদস্মাৎ সবান্ধব। অমৃতেব সতী লোকে ভবিষ্যামি সুখান্বিতা ॥১৭॥
ইতঃ প্রদানে দেবাশ্চ পিতরশ্চেতি নঃ শ্রুতম্। ত্বয়া দত্তেন তোয়েন ভবিষ্যন্তি হিতায় বৈ ॥১৮॥
ইত্যেতত্তভয়ং তাত! নিশাম্য তব বন্ধিতম্। তদ্ব্যবস্য তথাম্বায়া হিতং স্বস্য সুতস্য চ ॥১৯॥
মাতাপিত্রোশ্চ পুত্রাস্তু ভবিতারো গুণান্বিতাঃ। ন তু পুত্রস্ত পিতরৌ পুনর্জাতু ভবিষ্যতঃ ॥২০॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবং বহুবিধং তস্যা নিশম্য পরিদেবিতম্। পিতা মাতা চ সা চৈব কন্যা প্ররুরুদুস্ত্রয়ঃ ॥২১॥
ততঃ প্ররুদিতান্ সর্ব্বান্ নিশম্যাথ সুতস্তদা। উৎফুল্লনয়নো বালঃ কলমব্যক্তমব্রবীৎ ॥২২॥
মা পিতা রুদ মা মাতর্মা স্বসস্তিতি চাব্রবীৎ। প্রহসন্নিব সর্ব্বাংস্তানেকৈকমুপসর্পতি ॥২৩।
ততঃ স তৃণমাদায় প্রহৃষ্টঃ পুনরব্রবীৎ। অনেনাহং হনিষ্যামি রাক্ষসং পুরুষাদকম্ ॥২৪॥
তথাপি তেষাং দুঃখেন পরীতানাং নিশম্য তৎ। বালস্য বাক্যমব্যক্তং হর্ষঃ স মহানভবৎ ॥২৫॥
অয়ং কাল ইতি জ্ঞাত্বা কুন্তী সমুপসৃত্য তান্। গতাসূনমৃতেনেব জীবয়ন্তীদমব্রবীৎ ॥২৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিকামাদিপর্ব্বনি বকবধে
ব্রাহ্মণকন্যাপুত্রবাক্যং নাম ত্রিপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

-----(*)-----

অসিদগী হেনবা করম্বা অব্বাব অমমুক লৈগদগে ॥১৬॥ পাবুংনা শাগৈ নাতে পুম্বগা লোযনদুনা ইলাই লায়না অব্বাব অসিদগী নাম্ভোকপি হৌরবদি ঐদি য়াম্না মুংঙাইজগনি, শিজথ্রবস্থু ঙ্গৎ অসিদা শিদবা-গুমনা অতুমক লৈজগনি ॥১৭॥ পাবুংনা ঐবু মফম অসিদগী থাদোকপিথ্রবস্থু তৌবিহোবা তর্পন দান নচিংবনা ইমা ইপাশিং তদো অহুম পেনগনি, করিমতা শাওবোই, পাবুং খোয়গী কাম্নবতা শিঙ্কনি। অসুম হায়না ঐনা তাজৈ ॥১৮॥ হে পিতৃদেব! পক্ষ অনি অসি মুম্না তাবি থনবিরগা পাবুংগা ইমাগা অমস্থং নচানিপা অসিগী অসুম তৌরগা ফগনি হায়বস্থ তৌননবা হোৎনবিরো ॥১৯॥ মমা মপাদি, মচা অম লৈখিত্রবস্থু অতোপ্প গুণ লৈব মচা অমমুক পোকহোব য়াই, অদুগা মচা ঐখোয়গীদি ইমা ইপা অমমুক ওইহনবা য়াব নত্তে ॥২০॥ বৈশম্পায়ননা হায়— মচানুপী কন্যা অদুগী অসিগুম্বা কপ্প-কপ্প ঙাংবা ম্বাঙাং অদু তাবদা মমা মপা মচানুপী অহুম্মক অসি খোঞ্জেল থোক্লা লাওনা তেংথা নাওইনা কপমিন্নরকলে ॥২১॥ অদুদগী মখোয় অহুম অসিনা কপ্পরকপস্থ উবদা অঙাং নিপা মচা অদুনা করিমতা ম্বাদনা মায়থোং মকারামনা, মমিৎ ইরুং লংনা পাংথোক্তুনা মুংশিরবা, মপুং ফাগুম ফাদবগুম তৌবা ম্বাহৈনা হায়রকই ॥২২॥ "বাবা! ইমা! ইচে! নখোয় কনামতা কপপস্থু" ম্বাহৈ অসি হায়র হায়রদুনা মখোয় খুদিংমকতা চংশিল্লকই ॥২৩॥ অদুদগী ইকা অমা পায়খত্তুনা মথল্লাই মুংঙাইনা, অকিবা লৈতনা হায়রকই— "ঐননে, মাসিনা মী চাবা হিংচাবস্থ হেক হাৎকনি" ॥২৪॥ ফনা য়ামনা ম্বারবস্থু অঙাং অদুগী মতৌ অদুগুম্বা ম্বাহৈ মচেৎ মচেৎ অম্ব তাবদা মখোয় অহুম অদু অনা অব্বা পুমকাও কাওহনা থোইনা মুংঙাইখি ॥২৫॥ 'হংব য়ারে" অসুম হায়না খল্লদুনা কুন্তীনা মখোয়গী মফমদ চংশিন্দুনা শিরবগুম লৈরবা মখোয়বু অমৃত খিক্তুনা হিংগৎহনবগুম অমৃতগী মশক ওইরবা ম্বাহৈ অসি হায়খি ॥২৬॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা বকবধগী মতাংদা "ব্রাহ্মণকন্যাপুত্রবাক্য" কৌবা চামগা য়াঙ্কৈহুমদোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

---:(*):---

শ্রীমহাভারতম্

(ভীমনা বক হিংচাবা হাৎকে হায়বগী ৱাশকপা)

(চাম য়াৎখৈমরি শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

কুন্ত্যুবাচ।

কুতোমূলমিদং দুঃখং জ্ঞাতুমিচ্ছামি তত্ত্বতঃ। বিদিত্বা ব্যপকর্ষেয়ং শক্যঞ্চেদপকর্ষিতুম্ ॥১॥

ব্রাহ্মণ উবাচ।

উপপন্নং সতামেতদ্ যদ্ ব্রবীষি তপোধনে!। ন তু দুঃখমিদং শক্যং মানুষেণ ব্যপোহিতুম্ ॥২॥

তথাপি তত্ত্বমাখ্যাস্যে দুঃখস্যৈতস্য সম্ভবম্। শক্যং বা যদি বাহশক্যং শৃণু ভদ্রে! যথাতথম্ ॥৩॥

সমীপে নগরস্যাস্য বকো বসতি রাক্ষসঃ। ঈশো জনপদস্যাস্য পুরস্য চ মহাবলঃ ॥৪॥

পুষ্টো মানুষমাংসেন দুর্বুদ্ধিঃ পুরুষাদকঃ। রক্ষত্যসুরবাড় নিত্যমিমং জনপদং বলী ॥৫॥

নগরঞ্চৈব দেশঞ্চ রক্ষোবলসমন্বিতম্। তৎকৃতে পরচক্রাচ্চ ভূতেভ্যশ্চ ন নো ভয়ম্ ॥৬॥

বেতনং তস্য বিহিতং শালিবাহস্য ভোজনম্। মহিষৌ পুরুষশ্চৈকো যস্তদাদায় গচ্ছতি ॥৭॥

একৈকশ্চাপি পুরুষস্তৎ প্রযচ্ছতি ভোজনম্। স বারো বহুভির্বর্ষৈর্ভবত্যসুতরো নরৈঃ ॥৮॥

তদ্বিমোক্ষায় যে কেচিদ্ যতন্তি পুরুষাঃ ক্বচিৎ। সপুত্রদারাংস্তান্ হত্বা তদ্রক্ষো ভক্ষয়ত্যুত ॥৯॥

কুন্তীনা হায—ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণী নচিংবা মযামনা ৱাবিরিবসিগী মরমবু করি ওইরবনো? ঐ য়ামনা খংজনীংঙি। মরম মূল তাজবগা, ঐনা ঙম্ব ওইরবদি মাঙ্গ শোয়দনা কোকহল্লগে ॥১॥ ব্রাহ্মণনা হায়রকই —'তপস্যা চেৎলবী ইমা। হাযবিরিবদো অচুম্বনি, পুকচেল চাওবশিংমক্না হায়নবা হাযগদবা ৱানি; অচুম ওইরবদা, হন্দক্কী অৱাবসে তাইবং মী অমনা কোকহনবা ঙম্বা নত্রে ॥২॥ অচুবু ঐখোয়না ৱারিবসিগী মরম অহু থাঙ্গৈশেংনা তমজগে, কোকহনবিবা ঙম্বরবসু ঙমদ্রবসু তাবদদি মতাবিরো তমজগে ॥৩॥ ঐখোয়না লৈবিবা নগর অসিগী মনাক্তা মপাঙ্গল খোইনা কল্লবা হিংচারা অম লৈ, মাগী মমিং "বক" হায়না কৌই। মহাক অসি দেশ অমদি নগর অসিগীসু মপুনি ॥৪॥ মপুকচেল কত্রবা হিংচাবা অসি দেবতাশিংগী য়েকনবগী মসুংদা অখোইবনি, মীশা চাদনা খোইনা মশা ফরবা মপাঙ্গল কল্লবা মীশক অমা ওইদুনা লৈপাক অসি ঙাক্তুনা লৈরি ॥৫॥ মপাঙ্গল কল্লবা হিংচাব অসিনা দেশ নগর পুমনমক ঙাক্লি হায়দুনা ঐখোয়গী ইথক্ত অতোপ্পা কনাগুম্বা নিংথৌ, করিগুম্ব লৈপাক অমদি কনাগুম্বা জীব অমদগী অকি অখংব আক্রমণনচিংবা লাকক্লি হায়বগী করিমত্তা নীংঙায়ব লৈত্তে ॥৬॥ লৈপাক অসি ঙাকপগীদমক চেংকোক তরাগী চাক, ইরোই অনি অদুগা অসিবু পুদুনা মহাক্কী মফমদা থিনবা চৎখিব্রা নিপা মশামক্ত পুম্নমক অসি মহাক্কী চাকথাক ওইনা পীগনি হায়না নিংথৌনা লেপ্লখ্রে ॥৭॥ সুমিৎ থুদিংগী য়ুমখোং থুদিংগী নিপা অমনা হায়রিবা চিঙ্গাক অসি মাগী মফমদা পুদুনা চৎলি; চহী কয়াগী মসুংদা য়ুম্ন, অমমমগী পালী হেক হেক তাই। হায়রিবা নিয়ম অসিদগী নাম্বোকপা হায়বসি তৌঙমদবা থবক অমনি ॥৮॥ অৱাবা অমদি তমথিরবা নিয়ম

বেত্রকীয়গৃহে রাজা নায়ং নয়মিহাস্থিতঃ। উপায়ং তং ন কুরুতে যত্নাদপি স মন্দধীঃ।
অনাময়ং জনস্যাস্য যেন স্যাদদ্য শাশ্বতম্ ॥১০॥
এতদর্হা বয়ং নূনং বসামো দুর্ব্বলস্য যে। বিষয়ে নিত্যমুদ্বিগ্নাঃ কুরাজানমুপাশ্রিতাঃ ॥১১॥
ব্রাহ্মণাঃ কস্য বাস্তব্যাঃ কস্য বা ছন্দচারিণঃ। গুণৈরেতে হি বৎসন্তি কামগাঃ পক্ষিণো যথা ॥১২॥
রাজানং প্রথমং বিন্দেত্ততো ভার্য্যাং ততো ধনম্। ত্রয়স্য সঞ্চয়েনাস্য জ্ঞাতীন্ পুত্রাংশ্চ তারয়েৎ ॥১৩॥
বিপরীতং ময়া চেদং ত্রয়ং সর্ব্বমুপার্জ্জিতম্। তদিমামাপদং প্রাপ্য ভৃশং তপ্যামহে বয়ম্ ॥১৪॥
সোহয়মস্মানন্প্রাপ্তো বারঃ কুলবিনাশনঃ। ভোজনং পুরুষশ্চৈকঃ প্রদেয়ং বেতনং ময়া ॥১৫॥
ন চ মে বিদ্যতে বিত্তং সংক্রেতুং পুরুষং ক্বচিৎ। সুহৃজ্জনং প্রদাতুঞ্চ ন শক্যামি কদাচন ॥১৬॥
গতিঞ্চৈব ন পশ্যামি তস্মান্মোক্ষায় বক্ষসঃ। সোহহং দুঃখার্ণবে মগ্নো মহত্যসুতরে ভৃশম্ ॥১৭॥
সহৈবৈর্গমিষ্যামি বান্ধবৈরদ্য রাক্ষসম্। ততো নঃ সহিতান্ ক্ষুদ্রঃ সর্ব্বানেবোপভোক্ষ্যতি ॥১৮॥

অসিদগী নাস্থোক্কে হোৎনবাশিং অহুদি মখোয়বু মতু, মচা, মগুগা লোয়ননা হাক্তোক্তুনা বক কৌবা হিংচাবা অসিনা চাথোকই ॥৯॥ মহাক্কী চাবথাক্কী নিয়ম তৌরিবা, দেশ অসিগী নিংথৌ অসি বেত্রকীয় কৌবা মাগী কোম্নুংদা লৈ, কবম তৌরগা মহাককী প্রজা পুমনমক অসি ভাককদগে হায়বগী রাজনীতি অহু মহাক চস্তে, মরৌশিং মবুদ্ধি যামনা ব্বাৎপা নিংথৌনি। করম তৌরগা মহাককী লৈপাক প্রজা পুম্বনা য়েথায় থিংগায় লৈতনা মতম কুইনা নুংভাইনা পানগদগে হায়বগী উপায় অমতা তৌদ্রি ॥১০॥ তোল্লবা পাংত্রবা নিংথৌ অসিগী মথাদা প্রজা ওইদুনা মুমিৎ চুপ্পা লাংতক্লদুনা লৈরিবা ঐখোয় অসিমক্ত্রবু অসিগুম্বা অম্বাব থুদোংথীব অসিমক ফংবদা মতিক চাবব মক্তনি ॥১১॥ কনাগী মথা পোন্দুনা ব্রাহ্মণশিংনা লৈনবা য়াওথ্রবগে? কনাগী অনীংবগী মতুংইন্না তৌ হায়বত তৌদুনা লৈনবগে? মনীং মথা তমনা কোয়পাই পাইদুনা উচেকশিংগী মতৌগুমনা ব্রাহ্মণশিংনা মগুণতনা চৎনীং চৎনীংবা দেশদা চৎতুনা লৈগনি ॥১২॥ মীনা অহানবদা নিংথৌ অদুগী তুংদা মুপী, অহুগী তুংদা লন থুমদা আশ্রয় লৌনৈ, অছম অসিবু লেপ্পরগা, মখোয়দা আশ্রয় লোরগা অদুগী তুংদা শাগে নাতে মচা মগু পুম্নমকপু অব্বাবদগী কন্নরিবনি ॥১৩॥ অহুবু ঐগীদি অহুম্মক অসিমক ওম্ন তৈনন থোকখ্রে; মরম অহুনা থুদোংথীব মুমিৎ অসিনা থোক্লরবসিদা ঐখোয় পুম্বা থম্মোয়দা মৈচাক ফংম ম্বারে ॥১৪॥ শাগে মৃৎননবা পান্নী অদু ভসি ঐগী যুথদা তাররে; অহুনা হিংচাবা অহুনা চাননবা হায়রিবা চীঙ্গাক অহুগা মাহু পুতুনা চৎকদৌরিবা নিপা অদুগা ভসি ঐনা পীবা তারি ॥১৫॥ চৎনবা মীশক অহুমা মমল পীদুনা লৈননবগী শেল ঐগোন্দা লৈজদে, মরূপ মপাং ইমুং মনুংগী মীশক অমত্তসু ঐনা পীব ঙম্মোইদৌরি ॥১৬॥ অহুগা অমমোমদ ভসি হিংচাব অসিগী মথুক্তগী লাম্মোক্লবা কবিগুম্বা উপায় অম উদ্রে; মরম অহুনা ভসি ঐ অসি লালঙমত্রবা, পাক চাওরবা অম্বাবা তোকম থংনবগী ঈপাক্ক্রা—অদুনা লৈরে ॥১৭॥ অহুনা, উপায় অতৈ লৈত্রবনিনা মুপী মভাং পুম্বনমক্কা লোয়ননা হিংচাবা অহুগী মথমদা চৎলগে হায়না লেপ্পরে, ফক্রবা তোল্লবা হিংচাব অহুনা ঐখোয় পুম্বু

কুন্ত্যুবাচ।

ন বিষাদস্ত্বয়া কার্য্যো ভয়াদস্মাৎ কথঞ্চন। উপায়ঃ পরিদৃষ্টোঽত্র তস্মান্মোক্ষায় রক্ষসঃ ॥১৯॥

একস্তব সুতো বালঃ কন্যা চৈকা তপস্বিনী। ন চৈতয়োস্তথা পত্ন্যা গমনং তব রোচয়ে ॥২০॥

মম পঞ্চ সুতা ব্রহ্মন্! তেষামেকো গমিষ্যতি। ত্বদর্থং বলিমাদায় তস্য পাপস্য রক্ষসঃ ॥২১॥

ব্রাহ্মণ উবাচ।

নাহমেতৎ করিষ্যামি জীবিতার্থী কথঞ্চন। ব্রাহ্মণস্যাতিথেশ্চৈব স্বার্থে প্রাণৈর্বিয়োজনম্ ॥২২॥

ন ত্বেতদকুলীনাসু নাধর্ম্মিষ্ঠাসু চ বিদ্যতে। যদ্ব্রাহ্মণার্থং বিসৃজেদাত্মানমপি চাত্মজম্ ॥২৩॥

আত্মনস্তু ময়া শ্রেয়ো বোদ্ধব্যমিতি রোচয়ে। ব্রহ্মবধ্যাত্মবধ্যা বা শ্রেয়ানাত্মবধো মম ॥২৪॥

ব্রহ্মবধ্যা পরং পাপং নিষ্কৃতির্নাত্র বিদ্যতে। অবুদ্ধিপূর্ব্বং কৃত্বাপি বরমাত্মবধো মম ॥২৫॥

ন ত্বহং বধমাকাঙ্ক্ষে স্বয়মেবাত্মনঃ শুভে!। পরৈঃ কৃতে বধে পাপং ন কিঞ্চিন্ময়ি বিদ্যতে ॥২৬॥

অভিসন্ধিকৃতে তস্মিন্ ব্রাহ্মণস্য বধে ময়া। নিষ্কৃতিং ন প্রপশ্যামি নৃশংসং ক্ষুদ্রমেব চ ॥২৭॥

আগতস্য গৃহে ত্যাগস্তথৈব শরণার্থিনঃ। যাচমানস্য চ বধো নৃশংসো গর্হিতো বুধৈঃ ॥২৮॥

অমুক্তুদা চাথোকখ্রনি ॥১৮॥ ব্রা অসি তারবদা কুন্তীনা হায়— ব্রাহ্মণ! মাসিগী মরমদা থোইনা স্বাবিকবসু। মরমদি হিংচাবা অসিগী মথুত্তগী লাম্লনবা উপায় অম ঐ উরে ॥১৯॥ ব্রাহ্মণ! অমতা ভাযজরবা নচা নিপা অপিশক, অমতা ভায়জরবী নচা মুপী কন্যা, মখোয় অনিসিগী মরক্তা অমতসু অহুগা ব্রাহ্মণী অমদি ব্রাহ্মণ নশামক অমতসু চৎপা চুমদে, ঐ যানিংদে ॥২০॥ ঐগীদি ইচা নিপা মঙানি, মখোযগী মরক্তগী অমনা হিংচাবগী অতা থক অদু মরাইন পুহনা চৎচগনি ॥২১॥ ব্রাহ্মণনা হায়— লাইনিংবী! ঐগী অমদি ঐগী মুপী অতাংগীদমক্ত, ব্রাহ্মণসু ওইরবা, অতিথি ওইনসু ঐগীদা লৈরিব অসিগুম্ব মীশক অমগী মথব্রাই থাহনবা অসি ঐ করিগুম্বা মগৎদসু য়াব ভমজরোই ॥২২॥ ব্রাহ্মণগী দমক্ত মশাবু অমদি মচানিপাবু পীথোকপা অমদি পীথোককে হায়বা অসিমক, শাগে জাৎ অতোনবদা পোকপী অমসুং পাপ চেল্লবী মুপী অমনা হায়বা তৌব ভব্বা পোৎ নত্তে ॥২৩॥ নহাক্কী নচাবু কথোকখিগদোবগী শক্তক্তা ঐ ইশামক কথোকচকরগে, মাসিনি ঐনা নীংজরিবা, পামজরিবা। মরমদি ব্রাহ্মণ হাৎপগা মশা মথন্ত হাত্তনা শিজবগা অনি অসিগী মনুংদা মশা মথন্ত হাত্তোকচবা হায়বসিনা য়াম্ন হেন্ন কৈ ॥২৪॥ ব্রহ্মহত্যা হায়বসিদি য়াম্না চাওখ্রবা পাপকী থবক অমনি, খংদহনা তৌরুরবসু মাসিগী পাপ অসি কোক্লনবা অতোপ্ন উপায় প্রতীকার অমত্তা লৈত্তে, মরম অহুনা ব্রাহ্মণ হত্যাদগী আত্মহত্যানা য়াম্না হেন্না কৈ ॥২৫॥ মঙ্গলগী মশক ওইরবী। আত্মহত্যা— ইশা ইথন্ত শিজবা হায়বসিসু পাম্বা নত্তে, অতোপ্ন কনাগুম্বনা ঐবু হাৎখ্রবদি মাহু দোষ পাপ লৈত্রে ॥২৬॥ অতুগা ইশাগী অমদি ইশাগী মরূপ মপাং শাগৈ নাতৈ কনাগুম্ব অমগী দমক ঐ মক্কা ব্রহ্মহত্যা তৌরবদি মাহুগী পাপ অদু কোক্লনবা উপায় অমতা উদে; মাহদি তোল্লবা পুর্শি হৈত্রবা মীগী [illegible] পাংখ্রা [illegible] আত্রয় লৌহুনা [illegible] লৈরিবা মীবু [illegible] লৌরা ইনাশিনবা অমদি [illegible] মীবু [illegible] পুর্শিহৈত্তবা [illegible] [illegible] ॥

কুর্য্যান্ন নিন্দিতং কর্ম্ম ন নৃশংসং কথঞ্চন। ইতি পূর্ব্বে মহাত্মান আপদ্ধর্ম্মবিদো বিদুঃ ॥২৯॥
শ্রেয়াংস্তু সহদারস্য বিনাশোঽদ্য মম স্বয়ম্। ব্রাহ্মণস্য বধং নাহমনুমংস্যে কদাচন ॥৩০॥

কুন্ত্যুবাচ।

মমাপ্যেষা মতির্ব্রহ্মন! বিপ্রা রক্ষ্যা ইতি স্থিরা। ন চাপ্যনিষ্টঃ পুত্রো মে যদি পুত্রশতং ভবেৎ ॥৩১॥
ন চাসৌ রাক্ষসঃ শক্তো মম পুত্রবিনাশনে। বীর্য্যবান্ মন্ত্রসিদ্ধশ্চ তেজস্বী চ সুতো মম ॥৩২॥
রাক্ষসায় চ তৎ সর্ব্বং প্রাপয়িষ্যতি ভোজনম্। মোক্ষয়িষ্যতি চাত্মানমিতি মে নিশ্চিতা মতিঃ ॥৩৩॥
সমাগতাশ্চ বীরেণ দৃষ্টপূর্ব্বাশ্চ রাক্ষসাঃ। বলবন্তো মহাকায়া নিহতাশ্চাপ্যনেকশঃ ॥৩৪॥
ন ত্বিদং কেষুচিদ্ ব্রহ্মন্! ব্যাহর্ত্তব্যং কথঞ্চন। বিদ্যার্থিনো হি মে পুত্রান্ বিপ্রকুর্য্যুঃ কুতূহলাৎ ॥৩৫॥
গুরুণা চাননুজ্ঞাতো গ্রাহয়েদ্ যং সুতো মম। ন স কুর্য্যাত্তয়া কার্য্যং বিদ্যয়েতি সতাং মতম্ ॥৩৬॥
এবমুক্তস্তু পৃথয়া স বিপ্রো ভার্য্যয়া সহ। হৃষ্টঃ সম্পূজয়ামাস তদ্বাক্যমমৃতোপমম্ ॥৩৭॥

মীওইবনা করিগুম্বা মতমদ', করিগুম্ব অমগী দমক্ত নিন্দা তৌনগদবা অমদি তমথিরবা থবক হায়বসি থক তৌরোইদবনি হায়বসি মমাংঙৈদগী ধর্ম্ম খংলবা পুকচেল চাউববা মহাত্মাশিংনা হায়নরক্লি: ঙসিগী সুমিত্তা, ইতু ইচাগা লোযননা ইশাবু মাংহনজবনা হেন্নহ্নম ফরে, ঐনা কৈদৌঙৈদসু মশাগী কান্নবগী দমক্তা ব্রাহ্মহত্যা তৌ হায়বসিদদি মহায়রম্মরোই ॥৩০॥ কুন্তীনা হায়— করিগুম্বা অঙম্বা উপায় অমনা ব্রাহ্মণবু কনগদবনি হায়বসি ঐগী লেংত্রবা ৱাথলনি। অদুগা অমুকসু, ঐগী ইচা চামমক লৈরম্নবসু মখোয়গী মনুংদা অমতনসু ঐনা হায়বা ইন্দবা ঐগী য়েক্লবা ৎইরোইদৌবনি ॥৩১॥ অদুগা হিংচাবা অদুনসু ঐগী ইচাবু হাৎপসু ঙম্মোই, মরমদি ঐগী ইচা অমতং য়াওরিবসে মন্ত্রতনা শিদ্ধি ওইরবা কল্লবা অমদি মরীল লৈরবা থৌনা ফরবা মীনি ॥৩২॥ অদুনা হৌজিক হাযরিবা ইচা অসিনা হিংচাবা অদুগী মফমদা মাগী অচা থক অদু মরাইনা থিনবা চচ্চনি; হিংচাবগী মথুত্তগী ব্রাহ্মণবুস্ন মরাইনা কঞ্জগনি হায়বসি ঐনা তশেংনা থাজরে ॥৩৩॥ ঐগী বল্লবা ইচা অসে কল্ল কল্লবা অকিবা ফংলবা হিংচাবা কয়া থেংনকরবনি, মশা মউ ফরবা, মওং মতৌ অকিবা ফংলবা, মপাঙ্গল কল্লবা হিংচাবা কয়াবু হাৎলবনি, মাসি ঐ ইমিৎমক্লা উরবনি ব্রাহ্মণ! ॥৩৪॥ অদুগা ব্রাহ্মণ! ঐনা হায়রিবসি কনাগুম্বা অমদা হায়কবা তাহল্লুবা য়াদেকো! মরমদি, মী অতে অতেসু খনীংবনা মন্ত্র অসি তম্বিরক্পা গুরু অদুগী য়াথং য়াওদনা ইচাসিনা মহাক অদুদা মন্ত্র অসি তম্বিরুরবদি মীশক অদুনা মন্ত্র অসি শিজিন্নরবস্ন মহৈ করিমত্তা য়াল্লোই, অদুম হায়না মাগী মন্ত্র তম্বিবা গুরুনসু হায়খিবনি ॥৩৬॥ কুন্তীনা অসুম হায়রবদা ব্রাহ্মণ অদু মাগী সুপীগা লোয়ননা থোইনা নুংঙাইমিন্নখিদনা, অমৃতগা মান্নরবা কুন্তীগী ৱাঙাং মন্নরনা অদুবু থাগৎখি ॥৩৭॥ অদুগী তুংদা কুন্তী অমদি ব্রাহ্মণ অনিনা ভীমগী মফমদা

ততঃ কুন্তী চ বিপ্রশ্চ সহিতাবনিশাম্যতম্। তমব্রূতাং কুরুষ্বেতি স তথেত্যব্রবীচ্চ তৌ ॥৩৮।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বকবধে ভীমবকবধাঙ্গীকারো নাম চতুঃপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(*):——

চৎখিংনা— "ভীম। নং থবক অসি শোয়দনা পাংথোক্নু," হায়কই, অদুদা ভীমনা মাতুমক তৌগনি হায়না মমাগা ব্রাহ্মণগা অনিদা হায়খি ॥৩৮॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বাদা বকবধগী মতাংদা "ভীমবকবধাঙ্গীকার"--ভীমনা বক হাৎকে ব্রাশকপা চামাগা যাথৈমরি শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

——.(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(কুন্তীগা যুধিষ্ঠিরগা ব্বাবী শানব হৌবগী মতাং)

(চামা য়াথৈ মঙা শুবা অধ্যায়)

——.(†):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

করিষ্য ইতি ভীমেন প্রতিজ্ঞাতেঽথ ভারত। আজগ্মুস্তে ততঃ সর্ব্বে ভৈক্ষ্যমাদায় পাণ্ডবাঃ ॥১॥

আকারেণৈব তং জ্ঞাত্বা পাণ্ডুপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। রহঃ সমুপবিশ্যৈকস্ততঃ পপ্রচ্ছ মাতরম্ ॥২॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কিং চিকীর্ষত্যয়ং কর্ম্ম ভীমো ভীমপরাক্রমঃ। ভবত্যাভ্যনুমতে কচ্চিৎ স্বয়ং বা কর্ত্তুমিচ্ছতি ॥৩॥

কুন্ত্যুবাচ।

মমৈব বচনাদেষ করিষ্যতি পরন্তপঃ। ব্রাহ্মণার্থে মহৎ কৃত্যং মোক্ষায় নগরস্য চ ॥৪॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কিমিদং সাহসং তীক্ষ্ণং ভবত্যা দুষ্করং কৃতম্। পরিত্যাগং হি পুত্রস্য ন প্রশংসন্তি সাধবঃ ॥৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— মহারাজ। "ঐ শোয়দনা তৌগনি" অমুম্না ভীমন হায়রবা তুংদ যুধিষ্ঠির-নচিংবা পাণ্ডব মরি অসি ভিক্ষা নিব চৎলুবদগী হল্লক্লে ॥১॥ অতুগী তুংদ যুধিষ্ঠিরনা ভীমগী মওং মতৌ অমদি ভাংনরম্লিবা ব্রা ঈরাং পুম্নমক অহদগী ভীমনা তৌগদৌরিবা থবক অমদি পুক্লিং অহ খংলদুনা অচীকপদা মমা কুন্তীগী মকমদা হংখি ॥২॥ যুধিষ্ঠিরন হায়— ইমা। মপাঙ্গল কল্লবা ইনাও ভীমসেননা করি থবক অম তৌগে খল্লিবগে? অদুগা তৌগদৌরিব থবক অসি ইমানা য়াররা? ইমাগী য়াথং মতুং ইমরা? নত্রগা মশানা তৌগে হায়না নিংবনরা? ॥৩॥ কুন্তীনা খুম্মি— য়েক্লবা ওয়বা ইচা ভীমসেননা ঐগী য়াথংদগী ব্রাহ্মণগী থব্রাই বন্নবগী দমক অদুগা নগর অসিদা লৈরিবা মী পুম্নমক অব্রাবদগী কন্নবা অকনবা অসি তৌব তারি ॥৪॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়— করিগীনো ইমা। অসুক ইচংথৌন অকিবগী

কথং পরসুতস্যার্থে স্বসুতং ত্যক্তুমিচ্ছসি। লোকবেদবিরুদ্ধং হি পুত্রত্যাগাৎ কৃতং ত্বয়া ॥৬॥

যস্য বাহূ সমাশ্রিত্য সুখং সর্ব্বে শয়ামহে। রাজ্যঞ্চাপহৃতং ক্ষুদ্রৈরাজিহীর্ষামহে পুনঃ ॥৭॥

যস্য দুর্য্যোধনো বীর্য্যং চিন্তয়ন্নমিতৌজসঃ। ন শেতে রজনীঃ সর্ব্বা দুঃখাচ্ছকুনিনা সহ ॥৮॥

যস্য বীরস্য বীর্য্যেণ মুক্তা জতুগৃহাদ্বয়ম্। অন্যেভ্যশ্চৈব পাপেভ্যো নিহতশ্চ পুরোচনঃ ॥৯॥

যস্য বীর্য্যং সমাশ্রিত্য বসুপূর্ণাং বসুন্ধরাম্। ইমাং মন্যামহে প্রাপ্তাং নিহত্য ধৃতরাষ্ট্রজান্ ॥১০॥

তস্য ব্যবসিতস্ত্যাগো বুদ্ধিমাস্থায় কাং ত্বয়া। কচ্চিন্নু দুঃখৈর্বুদ্ধিস্তে বিলুপ্তা গতচেতসঃ ॥১১॥

কুন্ত্যুবাচ।

যুধিষ্ঠির! ন সন্তাপস্ত্বয়া কার্য্যো বৃকোদরে। ন চায়ং বুদ্ধিদৌর্ব্বল্যাদ্ব্যবসায়ঃ কৃতো ময়া ॥১২॥

ইহ বিপ্রস্য ভবনে বয়ং পুত্র! সুখোষিতাঃ। অজ্ঞাতা ধার্ত্তরাষ্ট্রাণাং সৎকৃতা বীতমন্যবঃ ॥১৩॥

তস্য প্রতিক্রিয়া পার্থ! ময়েয়ং প্রসমীক্ষিতা। এতাবানেব পুরুষঃ কৃতং যস্মিন্ন নশ্যতি ॥১৪॥

যাবচ্চ কুর্য্যাদন্যোঽস্য কুর্য্যাদ্বহুগুণং ততঃ। ব্রাহ্মণার্থে মহান্ ধর্ম্মো জানামীথং বৃকোদরে ॥১৫॥

থবক অসি তৌবিরিবা? শিবা য়াবথবক্তা মচাবু মমা মপানা থক থাজিনদে, মথন্ত থক থাদোক্তে। মাসি সাধু মহাত্মাশিংন থক কৈ হায়নদে ॥৫॥ করিগীনো ইমা। মীচা কমনবগীদমক নবুক্তগী তাব নচাবু মাংহনগে থল্লিবা? নচাবু থাদোককে হায়না থল্লগা বেদ শাস্ত্রনা য়াদবা লোকন থীনা ভাংনগদবা থবকপু ইমানা তৌখিরে ॥৬॥ ভীম মহাক লৈত্রবনা, অদুগা মহাক্কী পাম্বোমগী পাঙ্গলতনা ঐখোয়না অব্রাবা কয়া লাম্বোরক্তুনা থুয়াতুশিংনা তুম্ব [illegible] অহগা পুকচেল পীক্রবা ফত্রবা দুর্য্যোধননা মুলহৌরিব ইপাগী লৈপাক অদু অমুক্ত মথুত্তগী উজ্জার ভৌবা [illegible] হায়না আশা তৌরিবসিহ্ মহাক লৈ হায়বগীনি ॥৭॥ ভীম মহাকী মপাঙ্গল মথৌনাবু খল্লুবদগী দুর্য্যোধননা শকুনিগা লোয়ননা ব্বাতানতুনা ফত্রবা তমথীরবা উপায়ত থিত্নুনা অহিং তুম্ব চংত্রি ॥৮॥ কল্লবা ইনাও অসিগী পাম্বোমগী পাঙ্গল্লা চাগী য়ুমদগী অমদি অতোপ-অতোপ্প পাপী কথাগী মথুত্তগী লাম্বোরক্রে, পুরোচনবুসু মাংহনখে, ॥৯॥ মাগী মপাঙ্গল মথৌনাবা আশা থমত্নুনা, দুর্য্যোধননচিংব হাৎলগা মণি মুক্তা কয়ানা থল্লবী পৃথিবী অসি ফংলেদনা হায়না খল্লরিবনি ॥১০॥

ইমানা করম্বা অমা খন্দুনা ভীমবু মাংহনথুগে, থাদোকথুগে নিংবিরিবনো? য়ামলত্নুনা অক [illegible] য়াখল [illegible] লৈরত্নুনা, [illegible] মাংথত্নুনা [illegible] ? [illegible] কুন্তীনা হায় :— ইবুঙো। যুধিষ্ঠির! [illegible] থক চিন্নগনু, য়াগনু। বুদ্ধি [illegible], [illegible] তাদনুনা তৌবা নত্তে ॥১২॥ ইমাগী ইবুঙো! ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা, [illegible] ঐখোয়না ব্রাহ্মণ অসিগী ময়ুমদা নুংঙাইনা লৈরিদো। মহাক্না নুংশা, [illegible] তৌরিত্নুনা লৈবক্তিনা অসি য়োমা য়াত্রবা অবস্থাসিদা অহক য়াম্বনা তোম্না লৈত্রিদো ॥১৩॥ যুধিষ্ঠির! ইমানা নুংশাদুনা য়ুমা খল্লগা ব্রাহ্মণ অসিনা ঐখোয়গী তৌখিরিবা অসিগী [illegible] হায়না ইমানা খল্লবননি। মীগী তৌবিদবু [illegible] মী অহুতবু মী কৌবনি ইবুঙো ॥১৪॥ অতোপ্পা অচম্বা মী অমনা মহাক্কী [illegible] তৌরিবা অদুগী [illegible] কায়নবা তৌরিবা [illegible] য়াম্না [illegible] মরুওইনা লৈবনা তৌগদবনি। অদুনা ব্রাহ্মণ

দৃষ্টা ভীমস্য বিক্রান্তং তদা জতুগৃহে মহৎ। হিড়িম্বস্য বধাচ্চৈব বিশ্বাসো মে বৃকোদরে ॥১৬॥
বাহ্বোর্বলং হি ভীমস্য নাগায়ুতসমং মহৎ। যেন যূয়ং গজপ্রখ্যা নির্ব্যূঢ়া বারণাবতাৎ ॥১৭॥
বৃকোদরেণ সদৃশো বলেনান্যো ন বিদ্যতে। যো ব্যতীয়াদ্যুধি শ্রেষ্ঠমপি বজ্রধরং স্বয়ম্ ॥১৮॥
জাতমাত্রঃ পুরা চৈব মমাঙ্কাৎ পতিতো গিরৌ। শরীরগৌরবাদস্য শিলা গাত্রৈর্বিচূর্ণিতা ॥১৯॥
তদহং প্রজ্ঞয়া জ্ঞাত্বা বলং ভীমস্য পাণ্ডব!। প্রতিকার্য্যং চ বিপ্রস্য ততঃ কৃতবতী মতিম্ ॥২০॥
নেদং লোভান্ন চাজ্ঞানান্ন চ মোহাদ্বিনিশ্চিতম্। বুদ্ধিপূর্ব্বন্তু ধর্ম্মস্য ব্যবসায়ঃ কৃতো ময়া ॥২১॥
অর্থৌ দ্বাবপি নিষ্পন্নৌ যুধিষ্ঠির! ভবিষ্যতঃ। প্রতীকারশ্চ বাসস্য ধর্ম্মশ্চাচরিতো মহান্ ॥২২॥
যো ব্রাহ্মণস্য সাহায্যং কুর্য্যাদর্থেষু কর্হিচিৎ। ক্ষত্রিয়ঃ স শুভাল্লোকান্ প্রাপ্নুয়াদিতি মে মতিঃ ॥২৩॥
ক্ষত্রিয়স্যৈব কুর্ব্বাণঃ ক্ষত্রিয়ো বধমোক্ষণম্। বিপুলাং কীর্ত্তিমাপ্নোতি লোকেঽস্মিংশ্চ পরত্র চ ॥২৪॥
বৈশ্যস্যার্থে চ সাহায্যং কুর্ব্বাণং ক্ষত্রিয়ো ভুবি। স সর্ব্বেষ্বপি লোকেষু প্রজা রঞ্জয়তি ধ্রুবম্ ॥২৫॥
শূদ্রন্তু মোচয়েদ্রাজা শরণার্থিনমাগতম্। প্রাপ্নোতীহ কুলে জন্ম সদ্দ্রব্যে রাজপূজিতে ॥২৬॥

অসিগীদমক্তা ভীমনা থবক পাংথোকখ্রবদি মহাক্কী ওম্বোক্না চাওখ্রবা ধন্ম হাযবত্তমা থোক্লগদবনি ॥১৫॥ চাকশং মৈথাবা হাক্তক্তা মহাক্না তৌখিবা উৎখিবা মপাঙ্গল মথৌনা, হিড়িম্ব হিংচাবা হাৎপগী থৌদোক অহ্ নিংশিংউবদা ইমানা ননাওগী মফমদা বিশ্বাস য়াম্না তৌখ্রবনি ॥১৬॥ ভীমগী মপাঙ্গল্দি শামু লিশিং তরাগী পাঙ্গলগা চপমান্নবা য়াম্না থোইনা কনখ্রবনি, মহাক্ন অদুমক্তনা চাশং মৈচাকপগী মতমদা বারণাবতদগী ঐখোয় পুম্নমকপু মহাক মথন্তনা শামুগী মতৌঙম হোন্দুনা পুরক্লিবনি ॥১৭॥

ভীমগা মান্নবা কনবা, মতম অসিদ তাতে অম মবৈত্রবনি। ননাও ভীম অসে লান্দ খব্রাইদগী কল্লবা অথোইবা দেবরাজ ইন্দ্রমবপুসু ভম্বা য়াম্না লৈরবনি খংভ্ ॥১৮॥ মমাংথৈদা ভীম অসি ইমানা হেক পোকপা নুমিৎ অদুদা তম্পাক্তগী নাম্থহনা চীং অমদা তাখি, মতম অদুদা মাগী মশানা থেংবদা নুং অম উফুলগুম্না মথীক মরীক পোক্না কায়খি ॥১৯॥ মরম অদুনা ইমানা, যুধিষ্ঠীর! ভীমগী মপাঙ্গল অসি অস্তুক কল্লি হায়বসি মুম্ন খন্দুনা ব্রাহ্মণ অসিগী লমন শিংগে হায়না খন্দুনা তৌবনি ॥২০॥ জ্ঞান তাদনুনা, অপাম্বদগী অমদি বুদ্ধি চোইবদগীককা তৌব নত্তে, তুং-মাং য়াম্না চনীংতান, মুম্ন বিচার তৌদুনা ধর্ম্মগী থবক অসিমতং পাংথোক্কে হায়না হোৎনকুরে ॥২১॥ যুধিষ্ঠির! হন্দক্কী থবক অসিমতং তৌরবদি মথম অনী কান্নবেদো, অমনা নীংঙাইদনা লৈরিবা অসিগী মীগী তৌবিমল শিংনু, অদুগা অমমা অথোইব অচৌব ধর্ম্ম অমবু তৌবা অসিনি ॥২২॥ অতুগুম্বা ক্ষত্রিয় অদুনা ব্রাহ্মণগী করিগুম্বা থবক অমদা কান্নবা তৌখ্রবা মহাক অদো মঙ্গল পূন্নগী মশাক ওইরবা লোক পুম্নমক হায়বদি স্বর্গ ফংবা ভম্ম হায়বসি ঐগী লেংদ্রবা খাথম্নি ॥২৩॥ ক্ষত্রিয় অমনা অতোপ্ম মমান্নবা ক্ষত্রিয় অমগী মথম্লাই কনবিখ্রখদি ইহলোক পরলোক অনীমক্ত অমাং অতা লৈত্রবা মিংচৎ ফংই ॥২৪॥ বৈশ্যশিংগী মতেং লৌদুনা ক্ষত্রিয়না প্রজা পুম্নমকী পেন্নবা তৌবা ভম্ম ॥২৫॥ চংঅয়ক্লবা শূদ্রবু অম্বাকগী যনবিখ্রবা ক্ষত্রিয় অদুদি মপোক পোকিদা লন-থুম্না থম্ন লৈব হায়বদু ওই, অদুগা নিংথৌনা নুনা

এবং মাং ভগবান ব্যাসঃ পুরা কৌরবনন্দন!। প্রোবাচাস্তকরঃ তস্মাদেবং চিকীর্ষিতম্ ॥২৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি
বকবধে কুন্তীযুধিষ্ঠিরসংবাদো নাম পঞ্চপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—.(O) —

কিনা ব্যবহার তৌবা বংশদা পোকলুই ॥২৬॥ যুধিষ্ঠির! থৱাইগা মান্নদনা থেইদে'ক্লা জ্ঞানী ওইরবা ভগবান ব্যাসনা অসি পুন্নমক মমাংদৈদা হায়খ্রবনি, মবম অতুনা অসি পুন্নমক খংতুনা ইমানা থবক অসি তৌরবনি ॥২৭॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অদিপর্ব্বদা বকবধগী মতাংদা "কুন্তীযুধিষ্ঠিরসংবাদ" কৌবা চামগা য়াঙ্খেমঙা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম্

(ভীমগা বকক্লা লাল থেংনবগী ৱারী)

(চামা য়াঙ্খৈ তরুক শুবা অধ্যায়)

——(০)——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

উপপন্নমিদং মাতঃ! ত্বয়া যদ্বুদ্ধিপূর্ব্বকম্। আর্ত্তস্য ব্রাহ্মণস্যৈতদনুক্রোশাদিদং কৃতম ॥১॥
ধ্রুবমেষ্যতি ভীমোঽয়ং নিহত্য পুরুষাদকম্। সর্ব্বাথা ব্রাহ্মণস্যার্থে যদনুক্রোশবত্যসি ॥২॥
যথা ত্বিদং ন বিন্দেয়ুর্নবা নগরবাসিনঃ। তথাঽয়ং ব্রাহ্মণো বাচ্যঃ পরিগ্রাহ্যশ্চ যত্নতঃ ॥৩॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততো রাত্র্যাং ব্যতীতায়ামন্নমাদায় পাণ্ডবঃ। ভীমসেনো যযৌ তত্র যত্রাসৌ পুরুষাদকঃ ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়:—ইমা! ইমানা তৌবিরমলিবা থবক অসে য়ামনা ফরে, মতিক চাবমকনি। করিনা হায়রবু মমৈংদা লৈরিবা ৱা পুন্নমক অসি খংতুনা ব্রাহ্মণ অমনা অৱাবা তারবসিদা মুংশিবিহনা মাগীদমক্তা তৌবিরমলিবা অসি য়াম্না ফরে ॥১॥ শোযবরোই ইমা! থাজরে, ঙসি ভীমনা হিংবচাম্বরু হাত্তুনা মরাক্লগদবনি। মরমদি ইমানা ব্রাহ্মণ অমগী মফমদা থৌজাল হৈরবদবু কদায়দগী শোয়গনি ॥২॥ অতুদা, নগর অসিদা লৈরিবা মীশিং অসিনা ভীমবু মীশক খংদনবা ব্রাহ্মণ অসিদা মুন্না চোকশিন্না ঙাংনতুনা থম্মিয়ু, মঙোন্দা নাপচীক্লা ৱারোল পুন্নমক ইমানা তাকপিয়ু ॥৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়—অতুগী তুংদা নোঙাল্লবদা ভীমনা চীঞ্জাক ময়াম অতু পুতুনা হিংচাবনা লৈরিবা মফম অতু

আসাদ্য তু বনং তস্য রক্ষসঃ পাণ্ডবো বলী। আজুহাব ততো নাম্না তদন্নমুপপাদয়ন্ ॥৫॥
ততঃ স রাক্ষসঃ শ্রুত্বা ভীমস্য বচনং তদা। আজগাম সুসংক্রুদ্ধো যত্র ভীমো ব্যবস্থিতঃ ॥৬॥
মহাকায়ো মহাবেগো দারয়ন্নিব মেদিনীম্। লোহিতাক্ষঃ করালশ্চ লোহিতশ্মশ্রুমূর্দ্ধজঃ ॥৭॥
আকর্ণাদ্ভিন্নবক্ত্রশ্চ শঙ্কুকর্ণো বিভীষণঃ। ত্রিশিখাং ভ্রুকুটীং কৃত্বা সন্দশ্য দশনচ্ছদম্ ॥৮॥
ভুঞ্জানমন্নং তং দৃষ্ট্বা ভীমসেনং স রাক্ষসঃ। বিবৃত্য নয়নে ক্রুদ্ধ ইদং বচনমব্রবীৎ ॥৯॥
কোঽয়মন্নমিদং ভুঙ্‌ক্তে মদর্থমুপকল্পিতম্। পশ্যতো মম দুর্ব্বুদ্ধির্যিয়াসুর্যমসাদনম্ ॥১০॥
ভীমসেনস্তু তচ্ছ্রুত্বা প্রহসন্নিব ভারত!। রাক্ষসং তমনাদৃত্য ভুঙ্‌ক্ত এব পরাঙ্মুখঃ ॥১১॥
রবং স ভৈরবং কৃত্বা সমুদ্যম্য করাবুভৌ। অভ্যদ্রবদ্ভীমসেনং জিঘাংসুঃ পুরুষাদকঃ ॥১২॥
তথাপি পরিভূয়ৈনং প্রেক্ষমাণো বৃকোদরঃ। রাক্ষসং ভুঙ্‌ক্ত এবান্নং পাণ্ডবঃ পরবীরহা ॥১৩॥
অমর্ষেণ তু সম্পূর্ণঃ কুন্তীপুত্রং বৃকোদরম্। জঘান পৃষ্ঠে পাণিভ্যামুভাভ্যাং পৃষ্ঠতঃ স্থিতঃ ॥১৪॥
তথা বলবতা ভীমঃ পাণিভ্যাং ভৃশমাহতঃ। নৈবাবলোকয়ামাস রাক্ষসং ভুঙ্‌ক্ত এব সঃ ॥১৫॥

তান্ন চংখ্রে ॥৪॥ অদুদগী ভীমনা বন মনু দা চংখিদুনা হিংচাবত্তগীদমক পুরিবা চাক য়েঙ্গাং অদু চাখত্তুনা চান চানা হিংচাবা অত্থগী মমিং কান্না লাওনা কৌবা হৌরক্লে ॥৫॥ অদুগী তুংদা বক কৌবা হিংচাবা অদুনা ভীমগী খোল্লাও তাবদা য়ামনা শাওখ্রহনা ভীমনা চান-চানা কৌরিব মফম অদুমক্তদা হিংচাবা অসি থুংঙরে। মহাক্কী শাওং শাদা মওং মতৌ অকিবগী মশকনি, ক্বাং-চাওই, চেল্লকপা শাযু অকিবা যংই, মমিৎ অনিস্থ ঙাংশং ঙাংঙি, মকোই মরাং মশম-মনা লোইনা পুমঙাং ঙাংঙি, তাইবংপানবদা লৈতবা ৎস্থোকপা মৃত্তিনি। মখাযাৎ অনিদু নাকোং ফাওবা কাথোকই, মনাকোং অনিস্থ কল্লি, যোৎপীগী মতৌগুমনা তুমত্রিক তুম্মি। অসিগুমনা অকিবগী মশক ফংলবা হিংচাবা অসি মরাইরক্কী ময়ি অত থুপচিন্দুনা মমিৎ সৃক্কোক্তুনা ময়ানা মচিনবান অসি চীক্তনা খোংথাং অমুক অমুক্তা লৈনাই থক্‌থক্ নীকহন্দুনা, চেল্লকপদা মখোংনা লৈমাই চৈথায়হন্দুনা ভীমগী নাক্তা থুংলরে ॥৬—৮॥ ভীমনা মাগী চীঙ্গাক অদু নীংঙাইবা লৈতনা চার চারদুনা লৈরস্বহ উবদা হিংচাবা অহনা শাওবনা মমিৎ অনি অহ লাওথোক্তনা ভীমদা ঙংদুনা হায়রকই ॥৯॥ হায়! কনানো! ঐগী মাংমক্তদা ঐখু থৌওই উশিত্তদুনা ঐগীদমক থোংদুনা পুরক্লিবা চাক অসি চারিবা? অপংবা কনানো মশানা খংনখংনা যমালয়দা চৎকে হায়না থৌরাংলিবা? ॥১০॥ হিংচাবহনা ঙাংলিবা শক্লিবা পুমনমক অদু কবিমতা থৌশাদনা, মতুং থোক ওস্থোক্তনা, মপুক্লিংদা নোকন-নোকনা চাক অদু অদুম চাহুনা লৈখি ॥১১॥ মতম অতদা হিংচাবা অহনা অকিবগী মশক ফংনা ঙংহনা মপান্থোম থাংগত্তনা ভীমসেংবু হেক মহাৎলগে হায়দুনা শাফু কম্না চেনশিল্লক্লে ॥১২॥ মহাকনা চেনশিল্লক্লিবহ কম্নিমতা থৌওইদনা, মঙোল লোমদদুম য়েংখত্তুনা, অকনবা য়েকনবা পুম্বু ঙম্নবা, পাণ্ডুগী মচা ভীমসেন অদু চখোম চাওনা চাবদুম হৌরক্লে ॥১৩॥ অহদগীদি শাওমনখ্রদুনা মক কৌবা হিংচাবা অদুনা ভীমগী তুংলোমদা লৈশিন্দুনা চাওরবা মাগী পাম্বোম অনু হাইগৎলগা খুদুম অনিদনা ভীমগী মনংগন অদুদা থাখি ॥১৪॥ অদুবু অদক কল্লবা হিংচাবা অদনা মখুৎ অনি থাদনা শুরফাওবদা ভীমসেননা মঙোল লোমনা শুকরেং য়েংবিদনা অদুমক চাদনা লৈখি ॥১৫॥

ততঃ স ভূয়ঃ সংক্রুদ্ধো বৃক্ষমাদায় রাক্ষসঃ। তাড়য়িষ্যংস্তদা ভীমং পুনরভ্যদ্রবদ্বলী ॥১৬॥
ততো ভীমঃ শনৈর্ভুক্‌ত্বা তদন্নং পুরুষর্ষভঃ। বার্য্যুপস্পৃশ্য সংহৃষ্টস্তস্থৌ যুধি মহাবলঃ ॥১৭॥
ক্ষিপ্তং ক্রুদ্ধেন তং বৃক্ষং প্রতিজগ্রাহ বীর্য্যবান্। সব্যেন পাণিনা ভীমঃ প্রহসন্নিব ভারত ! ॥১৮॥
ততঃ স পুনরুদ্যম্য বৃক্ষান্ বহুবিধান্ বলী। প্রাহিণোদ্ভীমসেনায় তস্মৈ ভীমশ্চ পাণ্ডবঃ ॥১৯॥
তদ্‌বৃক্ষযুদ্ধমভবন্মহীরুহবিনাশনম্। ঘোররূপং মহারাজ ! নররাক্ষসরাজয়োঃ ॥২০॥
নাম বিশ্রাব্য তু বকঃ সমভিদ্রুত্য পাণ্ডবম্। ভুজাভ্যাং পরিজগ্রাহ ভীমসেনং মহাবলম্ ॥২১॥
ভীমসেনোঽপি তদ্রক্ষঃ পরিরভ্য মহাভুজঃ। বিস্ফুরন্তং মহাবেগং বিচকর্ষ বলাদ্বলী ॥২২॥
স কৃষ্যমাণো ভীমেন কর্ষমাণশ্চ পাণ্ডবম্। সমযুজ্যত তীব্রেণ শ্রমেণ পুরুষাদকঃ ॥২৩॥
তয়োর্বেগেন মহতা পৃথিবী সমকম্পত। পাদপাংশ্চ মহাকায়াংশ্চূর্ণয়ামাসতুস্তদা ॥২৪॥
হীয়মানন্তু তদ্রক্ষঃ সমীক্ষ্য পুরুষাদকম্। নিষ্পিষ্য ভূমৌ জানুভ্যাং সমাজঘ্নে বৃকোদরঃ ॥২৫॥
ততোঽস্য জানুনা পৃষ্ঠমবপীড্য বলাদিব। বাহুনা পরিজগ্রাহ দক্ষিণেন শিরোধরাম্ ॥২৬॥
সব্যেন চ কটীদেশে গৃহ্য বাসসি পাণ্ডবঃ। তদ্রক্ষো দ্বিগুণং চক্রে ক্রোশন্তং ভৈরবং রবম্ ॥২৭॥

অদুদগীদি যামনা হেন্না অমুক শাওখিদ্‌না উপাম্বী অমা যুক্লগা মাদু হাইগত্‌না ভীমবু হাৎকে হাযদ্‌না অমুক চেনশিল্লক্লে ॥১৬॥

অদুগী তুংদ, নিপা অথোইব, কল্লবা ভীমসেননা তপ্ন তপ্ন নীংঙাইব লৈতনা চনীংতানা চাক অদু লোইনা তেংনা চারগা আচমন তৌরে, অদুদগী হিংচাবা অদুগা লাম্থেংনগে হায়দুনা থৌরাং তৌরক্লে ॥১৭॥ মতম অদুদা হিংচাবা অদুনা উপাম্বী অদু ভীম তম্না লংশিল্লকই, কল্লবা ভীমনা নোক্ল নোক্ল ওইথংবা খুৎনা ইলাই লায়না উপাম্বীদু তাপ ওক্ল্‌না পায় ॥১৮॥ অদুগী তুংদা মপাঙ্গল থোইনা কল্লবা বক হিংচাবনা উপাম্বী মথম মথল অতৎ অথম লৈতনা ফুক্ল্‌না ভীম লোমদ লংশিল্লকই, ভীমসু মানা তৌরিবা অদুগুম্না চপ মান্নমনা তৌরক্লে ॥১৯॥ মহারাজ ! মীগা হিংচাবগা শোক্লরিবা লাল অদো অাকিবগী মশক্লি, উতনা খুৎলাই ওইনা শোক্লবা লাল ওইখ্রে, বন অদুগী উপাম্বী পুম্বা মুৎশিল্লক্লে ॥২০॥ অদুদগী হিংচাবা অদুনা "ঐ বক হায়বদুনি খংলত্রা" হায়দুনা কল্লা চেলশিল্লক্ল্‌না মপাম্বোম অনিনা পাণ্ডুগী মচানিপা কল্লবা ভীমবু কোল্লি ॥২১॥ মতম অদুদা কল্লবা ভীমসেনসু হিংচাবা অদুবু পাম্বোম অনিনা কোন্দুনা য়াম্ন কন্ন পাঙ্গল থেক্ল চিংলকই, হিংচাবা অদুসু ভীমনা কোল্লিবা অদুদগী নাম্থোক্লগী য়াম্না কন্না হোৎনরকই ॥২২॥ ভীমনা হিংচাবা অদুবু শ্রো শ্রো লাক্ল্‌না চিংলকই, হিংচাবনা অমুক ভীমবু চিংই, অদুম চিংথোক চিংশিন তৌনরকপা অসিনা হিংচাবা অসি চোকথুরক্লে, বারক্লে ॥২৩॥ ভীমগা হিংচাবগা চৈনরকপা ফুনরকপা অদুদা মফম অদু থক থক মীকথি, অচৌ অচৌবা উপাম্বী ফুক্লেকরক্লে থুক্লেকরক্লে ॥২৪॥ মীশা চাবা হিংচাবা অদু মথং মথং মপাঙ্গল শোম্বরক্লে হায়বদি উবদুনা, ওহাক লৈরগা ভীমনা মহাকপু লৈমায়দক্তা থাদুনা লৈহনু্না খুকউ অনিনা খিনবা খুনা হৌরক্লে ॥২৫॥ অদুগী তুংদ ভীমনা পাঙ্গল থেক্লা খুকউ অনি অদুনা মনজদা কন্ন খিন্দুনা নম্মদুনা থামগা, মখুৎ যেংথংবনা হিংচাব অদুগী মথৌরি যেত্ত্‌না শমথি ॥২৬॥ ওইথংবা খুৎনা মখুত্তুদ

ততোঽস্য রুধিরং বক্ত্রাৎ প্রাদুরাসীদ্বিশাম্পাতে ।। তস্যমানস্য ভীমেন তস্য ঘোরস্য রক্ষসঃ ।।২৮।।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বকবধে

ভীমবকযুদ্ধং নাম ষট্পঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায় ।০।

——: * :——

পায়রগা ফী-শেৎকম খ্বাং অদুদা থুদেক্কে হায়না ভীমনা তোরকলে, মতম অদুদা হিংচাবা অদুনা অকিবা ফংনা লাওরকই ।।২৭।। মতুং অদুদা ভীমসেননা অকিবগী মশক ফংলবা হিংচারা অদুবু মখরাংদা অনিথোক্ক' থেকপা কৌরক্লে, মতম অদুদা হিংচাবা অদুগী মরাদগী ঈথেং হাথরক্লে ।।২৮।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা বকবধগী মতাংদা "ভীমবকবধ" কৌবা চামগা য়াথেক্তরুক শুবা অধ্যায় লোইরে ।।০।।

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(ভীমনা বক হিংচাবা হাৎপগী ৱারী)

(চামা য়াথেক্তরেৎ শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ততঃ স ভগ্নপার্শ্বাঙ্গো নদিত্বা ভৈরবং রবম্ । শৈলরাজপ্রতীকাশো গতাসুরভবদ্বকঃ ।।১।।
তেন শব্দেন বিত্রস্তো জনস্তস্যাথ রক্ষসঃ । নিষ্পপাত গৃহাদ্রাজন্ ! সহৈব পরিচারিভিঃ ।।২।।
তান্ ভীতান্ বিগতজ্ঞানান্ ভীমঃ প্রহরতাং বরঃ । সান্ত্বয়ামাস বলবান্ সময়ে চ ন্যবেশয়ৎ ।।৩।।
ন হিংস্যা মানুষা ভূয়ো যুষ্মাভিরিহ কর্হিচিৎ । হিংসতাং হি বধঃ শীঘ্রমেবমেব ভবেদিতি ।।৪।।
তস্য তদ্বচনং শ্রুত্বা তানি রক্ষাংসি ভারত ।। এবমস্ত্বিতি তং প্রাহুর্জগৃহুঃ সময়ঞ্চ তম্ ।।৫।।

বৈশম্পায়ননা হায়খি—চীংগুম ৱাং-চাওরবা বক কৌবা হিংচাবা অদুগী ময়াংলেন শরু অমসুং অতোপ-অতোপ্পা হকচাং কায়াৎশিং অদু তেকখ্রবদা অকিবা-অকনবা খোল্লাও অমা কল্লা লাওরগা মখৱাই থাথে ।।১।। অদুগী মতুংদা বক হিংচাবা অদুগী মতু-মচা শাগৈ নাইত্তে পুম্নমক কির থুংলদুনা মীনাই-মীশলশিংগা লোয়নদুনা ভেঙ্খোকনরক্লে ।।২।। মতম অদুদা থোইদোকনা মীথোই মীহেল্লা কল্লবা ভীমসেননা কিবনা মিপাইরবা অদুগী তাহনা থক-থক নীঙ্গবা রক্ষী মচা-মশু পুম্নমক অদু কিগদুনা মখোয়দা ৱাশকহনখি ।।৩।। [illegible] হাংপা য়ারোই ; অহ নত্রবদি [illegible] ।।৪।। মহারাজ ! ভীমগী ৱা অদি তাবদা

তত: প্রভৃতি রক্ষাংসি তত্র সৌম্যানি ভারত।। নগরে প্রত্যদৃশ্যন্ত নরৈর্নগরবাসিভিঃ।৬।।
ততো ভীমস্তমাদায় গতাসুং পুরুষাদকম্। দ্বারদেশে বিনিক্ষিপ্য জগামানুপলক্ষিতঃ।।৭।।
দৃষ্ট্বা ভীমবলোদ্ধূতং বকং বিনিহতং তদা। জ্ঞাতয়োঽস্য ভয়োদ্বিগ্নাঃ প্রতিজগ্মুস্ততস্ততঃ।।৮।।
ততঃ স ভীমস্তং হত্বা গত্বা ব্রাহ্মণবেশ্ম তৎ। আচচক্ষে যথা বৃত্তং রাজ্ঞঃ সর্ব্বমশেষতঃ।।৯।।
ততো নরা বিনিষ্ক্রান্তা নগরাৎ কল্যমেব তু। দদৃশুর্নিহতং ভূমৌ রাক্ষসং রুধিরোক্ষিতম্।।১০।।
তমদ্রিকূটসদৃশং বিনিকীর্ণং ভয়ানকম্। দৃষ্ট্বা সংহৃষ্টরোমাণো বভূবুস্তত্র নাগরাঃ।।১১।।
একচক্রাং ততো গত্বা প্রবৃত্তিং প্রদদুঃ পুরে। ততঃ সহস্রশো রাজন্! নরা নগরবাসিনঃ।
তত্রাজগ্মুর্বকং দ্রষ্টুং সস্ত্রীবৃদ্ধকুমারকাঃ।।১২।।
ততস্তে বিস্মিতাঃ সর্ব্বে কর্ম্ম দৃষ্ট্বাতিমানুষম্। দৈবতান্যর্চ্চয়াঞ্চক্রুঃ সর্ব্ব এব বিশাংপতে!।।১৩।।
ততঃ প্রগণয়ামাসুঃ কস্য বারোঽদ্য ভোজনে। জ্ঞাত্বা চাগম্য তং বিপ্রং পপ্রচ্ছুঃ সর্ব্ব এব তে।।১৪।।
এবং পৃষ্টঃ স বহুশো রক্ষমাণশ্চ পাণ্ডবান্। উবাচ নগরান্ সর্ব্বানিদং বিপ্রর্ষভস্তদা।।১৫।।

হিংচাবশিং অদুনা "ফরে মাহুমক তৌজগনি" অসুম হায়না ভীমদা হায়খি অমসুং য়াশকখি ।।৫।। মাদুগী মুমিত্তগী নগরদা লৈবা মী পুমনমকনা হিংচাবশিং অদুবু মতম লৈবখিবিক্তা হিংসাককা তৌদ্রবা, ইতপু তপথনা লৈবগুম উখি ।।৬।। অদুগীতুংদা ভীমসেননা বক হিংচাবগী মশা অশিবদু পুদুনা আ-থুনয়াদ হুন্দোকলুরে, অদুদগী অতৈ কনা অমতনা খংহন্দনা মফম অদুদগী তুমিন্না চংখ্রে ।।৭।। মতম অদুদা বক হিংচাবগী মতু-মচা শাগৈ-নাতৈশিং অদুনা ভীমনা বকপু হাৎখিবা অমদি মশা অদুবুসু লাক্তুনা লংথোখিবদু উবদা কিবনা মফম মরাং থংদনা মাগী মাগী ময়ুমদা তুবোন তুবোন হোৎচিন্নখ্রে ।।৮।। অসোমদা ভীমসু হিংচাবা অদু হাৎলমলগা ব্রাহ্মণ অদুগী য়ুমদা চংখিহনা যুধিষ্ঠিরগী মফমদা পাও পুম্নমক তম্মুরে।।৯।। অদুগী তুংদা নোংভাল্লগা নগরদা লৈবা মীপুম্নমক মাগী মাগী ময়ুমদগী হোৎোক্লরক্তুনা নগরদুগী চিদাইদা তাহনা লৈরিবা কনাগুম্বা অমনা হাৎতুনা লংশেক্তুনা থনম্বা বকগী ঈহং নাইহং শারবা. ঈনা পুমতৈ তৈরবা, তাহনা লৈবা মশা অদু য়েংনখি ।।১০।। নগরদা লৈবা মীপুম্নমক অহনা চীংদুম অমগুম্বা য়াং চাওরবা, অকিবগী মশক ফংলবা বক কৌবা হিংচাবা অহনা নগর চিদাইদা তাদনা লৈবদু উবদা অঙকপা ফংনখি, কিবনা মতু চুংনখি ।।১১।। অদুগী তুংদা মখোয় পুমনমকনা একচক্রা পুরীদা চংখিদুনা পাও অসি শন্দোকল্লুরে। অদুদগীদি লম অদুগী কনাগী নুপী-অঙাং হম্বুবা-পাথং লিশিং লিশিং থোকনরক্তুনা বক হিংচাবা য়েংগে হায়দুনা নগরগী চিদাই অদুদা থুংলরে ।।১২।। অদুদগী মখোয়না তাইবং মী অমনা ঙমফত্রবা থবক অদু উবদা ঙকনখ্রদুনা মাসিদি মীগী থবক নত্তে ঈশ্বরমকনা তৌবিরবনি হায়দুনা ঈশ্বরবু আরাধনা তৌনখি ।।১৩।। অদুগী তুংদা মখোয় পুম্নমক;—"হিংচাবগী চিন্নাক হুনবসি ঙসি কনাগী পালী তাখি" অসুম হায়না হংনরক্তুনা ময়াম পুম্নমক থমদুনা ব্রাহ্মণ অদুগী ময়ুমদা লাক্তুনা ব্রাহ্মণ অদুদা হংগরে ।।১৪।। মতম অদুদা মী পুম্নমক্না হন্না হন্না অদুম হংন-

আজ্ঞাপিতং মামশনে রুদন্তং সহ বন্ধুভিঃ। দদর্শ ব্রাহ্মণঃ কশ্চিন্মন্ত্রসিদ্ধো মহামনাঃ ॥১৬॥
পরিপৃচ্ছ্য স মাং পূর্ব্বং পরিক্লেশং পুরস্য চ। অব্রবীদ্ব্রাহ্মণশ্রেষ্ঠো বিশ্বাস্য প্রহসন্নিব ॥১৭॥
প্রাপয়িষ্যাম্যহং তস্মা অন্নমেতদ্দুরাত্মনে। মন্নিমিত্তং ভয়ঞ্চাপি ন কার্য্যমিতি চাব্রবীৎ ॥১৮॥
স তদন্নমুপাদায় গতো বকবনং প্রতি। তেন নূনং ভবেদেতৎ কর্ম্ম লোকহিতং কৃতম্ ॥১৯॥
ততাস্তু ব্রাহ্মণাঃ সর্ব্বে ক্ষত্রিয়াশ্চ সুবিস্মিতাঃ। বৈশ্যাঃ শূদ্রাশ্চ মুদিতাশ্চক্রুর্ব্রহ্মমহং তদা ॥২০॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততো জানপদাঃ সর্ব্বে আজগ্মুর্নগরং প্রতি। তদদ্ভুততমং দৃষ্টুা পার্থাস্তত্রৈব চাবসন্ ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বনি বকবধে
বকবধো নাম সপ্তপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(*):——

বক্লবদুদা ব্রাহ্মণ অদুনা পাণ্ডবশিংবু লোন্না থুপ্না থম্লগা মযামদা অসুম হায়রা খুমখি ॥১৫॥ হিংচাবা অদুগী চাননবগীদমক নিংথৌনা ঐগোন্দা ঐগী পালী থোকই হায়দুনা যাথং পীরক্লবদা। মুপী-অঙাং পুম্নমক্কা লোয়ননা ঐসু তৌফম খংদদুনা কপ্লুনা লৈবে, অদুদগী লাইগী কৃপাদগী মন্ত্রসিদ্ধ ওইরবা, পুকচেল চাওরবা ব্রাহ্মণ অমা লাক্লুনা তৌফম খংদদুনা লৈরবা ঐবু যেংবিররে ॥১৬॥ অহানবদা মহাক্না নগর অসিদা তৌবিবা লৈরিবা অৱাবা থৌদোক পুম্নমক অসিগী মরম পুম্নমক হংলগা ঐখোয়পুম্ববু থাজহন্লগা কয়িমতা থৌশাদনা নোক্ল-নোক্লা ঐখোয়দা হায়খি ॥১৭॥ "হিংচাবগীদমক থোংলিবা চাক যেঙ্গাং পুম্বসে ফজ্রবদুগী মফমদা ঐ হেক্তমক পুন্না চৎকে, নখোয় পুমনমক ঐগীদমক কয়িমতা চিংনসু কিগনু," হায়বা ৱা অসিমসু হায়বম্মি ॥১৮॥ অদুদগী মহাক্না চাক য়েঙ্গাং পুমনমক অদু পুদুনা বকহিংচাবগী বনদা চৎখি। শোযদে, মহাক্না মীপুম্বগী কান্নবা থবক অসি তৌরম্ব তারে ॥১৯॥ অদুগী তুংদা হেক লাক্লিবা ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য-শূদ্র পুমনক অদুনা থোইনা ঙকথ্রুনা অমসুং হরাওরদুনা পালী থোকলিবা ব্রাহ্মণ অদুগীদমকতা মঙ্গল ওইননবগীদমক উৎসব অমা তৌখি ॥২০॥

বৈশম্পাযননা হায়খি

অদুগী তুংদা, নগর অদুগী মীপুমনমকনা ওইথোক্তবা থৌদোক অদু উরবা তুংদা মাগী মাগী যুমদা নগর অদুদা হন্নখি, অদুগা পাণ্ডবশিংসু ব্রাহ্মণ অদুগী যুমদা চঙ্গিন্দুনা লৈখি ॥২১॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতা আদি-পর্ব্বদা "বকবধ" কৌবগী মতাংদা বকহাৎপ কায়না কৌবা চামগা য়াংখৈতরেৎ শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(চিত্ররথগী ৱারী)

(চাম য়াথৈনিপাল শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

জনমেজয় উবাচ।

তে তথা পুরুষব্যাঘ্রা নিহত্য বকরাক্ষসম্। অত ঊর্দ্ধং ততো ব্রহ্মন্! কিমকুর্ব্বত পাণ্ডবাঃ ॥১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

অথৈব ন্যবসন্ রাজন্! নিহত্য বকরাক্ষসম্। অধীয়ানাঃ পরং ব্রহ্ম ব্রাহ্মণস্য নিবেশনে ॥২॥

ততঃ কতিপয়াহস্য ব্রাহ্মণঃ সংশিতব্রতঃ। প্রতিশ্রয়ার্থী তদ্বেশ্ম ব্রাহ্মণস্যাগাম হ ॥৩॥

স সম্যক্ পূজয়িত্বা তং বিপ্রং বিপ্রর্ষভস্তদা। দদৌ প্রতিশ্রয়ং তস্মৈ সদা সর্ব্বাতিথিব্রতঃ ॥৪॥

ততস্তে পাণ্ডবাঃ সর্ব্বে সহ কুন্ত্যা নরর্ষভাঃ। উপাসাঞ্চক্রিরে বিপ্রং কথয়ন্তং কথাঃ শুভাঃ ॥৫॥

কথয়ামাস দেশাংশ্চ তীর্থানি সরিতস্তথা। রাজ্ঞশ্চ বিবিধাশ্চর্য্যান্ দেশাংশ্চৈব পুরাণি চ ॥৬॥

স তত্রাকথয়দ্বিপ্রঃ কথান্তে জনমেজয়!। পাঞ্চালেষদ্ভুতাকারং যাজ্ঞসেন্যাঃ স্বয়ংবরম্ ॥৭॥

ধৃষ্টদ্যুম্নস্য চোৎপত্তিমুৎপত্তিঞ্চ শিখণ্ডিনঃ। অযোনিজত্বং কৃষ্ণায়া দ্রুপদস্য মহামখে ॥৮॥

তদদ্ভুততমং শ্রুত্বা লোকে তস্য মহাত্মনঃ। বিস্তারেণৈব পপ্রচ্ছুঃ কথান্তে পুরুষর্ষভাঃ ॥৯॥

জনমেজয়না হায়খি— হে মহর্ষি! বৈশম্পায়ন! মীথোই মীহেনবা পাণ্ডব মশানা বক কৌবা হিংচাব অসি হাৎলবা তুংদা মকম অহদা করি অম অমুক তৌখিবগে? ॥১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মহারাজ! পাণ্ডবশিংনা মতৌ মঙ্গন্না হিংচাব অহ হাৎখ্রবা তুংদা ব্রাহ্মণ অহগী ময়ুমদা বেদ তমহুনা লৈনহুনা লৈখি ॥২॥ অহগী তুংদ মুমিৎ কয়ানি লেনখ্রবা তুংদা, ব্রত কল্লবা কনাগুম্বা অতোপ্প ব্রাহ্মণ অম য়ুম অদুদা অতিথিগুম্না লৈগে হায়রুনা পাণ্ডবশিংনা লৈরিবা ব্রাহ্মণগী য়ম অহদা লাক্লনা লৈখি ॥৩॥ মতম অদুদা, মতমলৈবখিবিক্ত অতিথিশিংদা আশ্রয পীরিবা য়ুম্ব ব্রাহ্মণ অথোইবা অহদা থুংলরিবা ব্রাহ্মণ অহুব য়াম্না লুনা তরাম তন্নাম্না তৌদুনা য়ুম অহদা লৈহনখি ॥৪॥ অহগী তুংদা মদা কুন্তীগা লোয়ননা পাণ্ডবশিং অদুনা অনৌবা ব্রাহ্মণ অদুগী সেবা নীংথিনা তৌহনা লৈখি; ব্রাহ্মণ অদুনা মথোয়দা মথল মথা অয়াম্বা ৱারী লীর লীরদুনা তাহনখি ॥৫॥ ব্রাহ্মণ অসিনা অয়াম্ব লৈপাক, তীর্থ, তুরেল, ওন্থোক শুন্থোকপা অঙ্কপ থবক তৌব, মতিক মগুণ চাউরবা নিংথৌ-শিংগী, মথোয় লৈপাকশিং অদুগী ফজব চাওখৎপা অমসুং কোম্মুংনচিংবগী ৱারী মথল মথল লীদুনা লৈখি ॥৬॥ মহারাজ! মহাক্না অসুম ৱারীশিং অদু মথং মথং লীরকপদা পাঞ্চাল দেশগী নিংথৌগী মচানুপী দ্রৌপদীগী অঙ্কপা স্বয়ম্বরগী ৱারী অদু লীরকই ॥৭॥ স্বয়ম্বরগী মতাং অদুগা লোয়ন লোয়ননা দ্রুপদ নিংথৌগী চাউরবা যজ্ঞ অমদি মাহুদগী ধৃষ্টদ্যুম্ন অমসুং শিখণ্ডী পোকপা অদুগা দ্রৌপদীগী গর্ভ পুদ্রনা পোক্তবা অসিনচিংবগী ৱারীশিং অসি মথং মথং লীরকই ॥৮॥ পুকচেল চাউরবা দ্রুপদগী

পাণ্ডবা ঊচুঃ।

কথং দ্রুপদপুত্রস্য ধৃষ্টদ্যুম্নস্য পাবকাৎ। বেদিমধ্যাচ্চ কৃষ্ণায়াঃ সম্ভবঃ কথমদ্ভুতঃ ॥১০॥

কথং দ্রোণান্মহেষ্বাসাৎ সর্ব্বাণ্যস্ত্রাণ্যশিক্ষত। কথং বিপ্র! সখায়ৌ তৌ ভিন্নৌ কস্য কৃতেন বা ॥১১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবং তৈশ্চোদিতস্তাত রাজন্! স বিপ্রঃ পুরুষর্ষভৈঃ। কথয়ামাস তৎ সর্ব্বং দ্রৌপদীসম্ভবং তদা ॥১২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

চৈত্ররথে অষ্টপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——০:(*):০——

জগৎ অসিদা অঙবপা ফংলবা যজ্ঞগী ৱারী অদু তাবদা লীরকইবা ৱারী অদুগী প্রসঙ্গগী মতুংইন্না মচা খাযনা পাণ্ডবশিংনা হংলকই। ৯। পাণ্ডবশিংনা হংলকই— দ্রুপদ নিংথৌগী মচানিপা ধৃষ্টদ্যুম্ননা যজ্ঞগী মৈসুংদগী অদুগা দ্রৌপদীনা যজ্ঞগী বেদীদগী মতৌ করম্না অঙকপা মপোক্না পোকখিবা? ॥১০॥ ধৃষ্টদ্যুম্ননা মতৌকরম্না লীকং পাযবশিংগী অথোইবা দ্রোণাচার্য্যগী মফমদা থুংশু থুংলাই তমখিবা? অদুগা মতৌ করম্না দ্রোণগা দ্রুপদগা মরূপ শান্নখিবা? অদুগা অমুক করিদগী মথোয় অনি অসি য়েকনখিবা। অসি পুম্নমক লীবিয়ু ॥১১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মহারাজ! পাণ্ডবশিংনা অসুম মখং মথং হংলবদা ব্রাহ্মণ অদুনা ৱারী পুম্নমক অদু অমসুং দ্রৌপদীনা পোকপগী ৱারী অসি লীখরক্নে ॥১২॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা চৈত্ররথ কৌবা মতাংগী চাগা য়ৎথে নিপাল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——০:(*):০——

শ্রীমহাভারতম্

(দ্রৌপদী পোকপগী ৱারী)

(চাম্মা হাৎথেমাপল শুবা অধ্যায়)

——:(০):——

ব্রাহ্মণ উবাচ।

গঙ্গাদ্বারং প্রতি মহান্ বভূবর্ষির্মহাতপাঃ। ভরদ্বাজো মহাপ্রাজ্ঞঃ সততং সংশিতব্রতঃ ॥১॥

সোঽভিষেক্তুং গতো গঙ্গাং পূর্ব্বমেবাগতাং নদীম্। দদর্শাপ্সরসং তত্র ঘৃতাচীমাপ্লুতামৃষিঃ ॥ ২ ॥

ব্রাহ্মণ অৎনা লীরকই— গঙ্গাগী হৌরকফম তীর্থদা, ব্রত কাম্বা, লাইনিং চেৎলবা, জ্ঞান লৈরবা ভরদ্বাজ কৌবা তপস্বী অম লৈরম্মি ॥১॥ নোংম, ভরদ্বাজ কৌব ঋষি অসিনা গঙ্গাদা স্নান তৌগে হায়রুনা চৎলম্মি; তাদা অদুদা ঘৃতাচী কৌবী অপ্সরা অমসু গঙ্গাদা ইরুহনা হেক কাথংলকই,

তস্যা বায়ুর্নদীতীরে বসনং ব্যহরত্তদা। অপকৃষ্টাম্বরাং দৃষ্ট্বা তামৃষিশ্চকমে তদা ॥৩॥

তস্যাং সংসক্তমনসঃ কৌমারব্রহ্মচারিণঃ। চিরস্থারেতশ্চস্কন্দ তদৃষির্দ্রোণ আদধে ॥৪॥

ততঃ সমভবদ্দ্রোণঃ কুমারস্তস্য ধীমতঃ। অধ্যগীষ্ট স বেদাংশ্চ বেদাঙ্গানি চ সর্বশঃ ॥৫॥

ভরদ্বাজস্য তু সখা পৃষতো নাম পার্থিবঃ। তস্যাপি দ্রুপদো নাম তদা সমভবৎ সুতঃ ॥৬॥

স নিত্যমাশ্রমং গত্বা দ্রোণেন সহ পার্ষতঃ। চিক্রীড়াধ্যয়নঞ্চৈব চকার ক্ষত্রিয়র্ষভঃ ॥৭॥

ততস্তু পৃষতেঽতীতে স রাজা দ্রুপদোঽভবৎ। দ্রোণোঽপি রামং শুশ্রাব দিৎসন্তং বসু সর্বশঃ ॥৮॥

বনন্তু প্রস্থিতং রামং ভরদ্বাজসুতোঽব্রবীৎ। আগতং বিত্তকামং মাং বিদ্ধি দ্রোণং দ্বিজোত্তম! ॥৯॥

রাম উবাচ।

শরীরমাত্রমেবাদ্য ময়েদমবশেষিতম। অস্ত্রাণি বা শরীরং বা ব্রহ্মন্নেকতরং বৃণু ॥১০॥

দ্রোণ উবাচ।

অস্ত্রাণি চৈব সর্বাণি তেষাং সংহারমেব চ। প্রয়োগঞ্চৈব সর্বেষাং দাতুমর্হতি মে ভবান ॥১১॥

ব্রাহ্মণ উবাচ।

তথেত্যুক্ত্বা ততস্তস্মৈ প্রাদাদ্ভৃগুনন্দন। প্রতিগৃহ্য তদা দ্রোণঃ কৃতকৃত্যোঽভবত্তদা ॥১২॥

ভরদ্বাজ ঋষিনা মহাকপু উরে ॥২॥ মতম অতমক্তা গঙ্গা তোর্ববানগী সুংশিংনা ঘৃতাচীগী মফি অদু হেক হাইদোকখি, হকচাংগী কাযাৎ পুন্নমক উবদা ঋষিগী থম্মোযদা অপাম সুংশিগী থাখল পোকখি অপ্সরা অদুগা উননীংখি ॥৩॥ ভরদ্বাজ হায়বা ঋষি অসি অঙাং ওইরিঙদগীহৌনা ব্রহ্মচারী ওইরকপনি, অদুবু ঘৃতাচী হায়বা অপ্সরা অসি উবদা মাগা উননীংবা তিন্ননীংবগী থম্মোইদা হৌরকপা ঈথরা হেনথিবনা থহৌদনা হকচাংদগী বীর্য্য নাম্থখি, মাদুবু মহাক্না চফু গুম্বা দোনা অমদা থাপ্তুনা থমখি। ৪॥ হায়রিবা দোনা অসিদগী ভরদ্বাজগী মচা দ্রোণ হাযবসি পোকখি। দ্রোণ হাযবসি বেদ বেদাঙ্গ পুন্নমক লোইনা তমদুনা হৈখি ॥৫॥ অসোমদা ভরদ্বাজগী মরূপ পৃষত হাযনা কৌবা নিংথৌ অম লৈরম্মি। মহাক্কীসু দ্রুপদ হায়না কৌবা মচা অম মতম অদুদা পোকলম্মি ॥৬। দ্রুপদ হায়বা অঙাং অসিনা ভরদ্বাজগী আশ্রমদা সুমিৎ খুদিংগী চৎলগা দ্রোণগা শান্নমিন্নৈ অমসুং লাইবিক তম্মিন্নৈ ॥৭॥ অদুগী তুংদা পৃষত হায়বা নিংথৌ অসিনা শিরবা তুংদা দ্রুপদনা নিংথৌ ওইরে, মতম অদুদা দ্রোণসু পরশুরামনা মহাক্কী হেক লৈরিবা মরল মথুম পুন্নমক দান তৌথোক্কদৌরি হাযবা পাও অসি তাম্মি ॥৮॥ পরশুরামনা বন লোমদা চৎলগে হাযনা যাত্রা তৌবকপা মতম অসিদা দ্রোণনা মহাক্কী মফমদা হায়খি— হে ব্রাহ্মণ অথোইবা। ঐ লল থুম খর নিগে হাযদুনা লাকচবনি, ঐগী মিং দ্রোণ কৌই। ৯॥ পরশুরামনা হায়— ব্রাহ্মণ! ঐগীদি হৌজিক করিমতা লৈত্রে, ঐগী লৈহৌরিব হায়বদু হকচাং অসিত মঙায়হৌরে অদুনা নংনা লৌগে হায়ববদি ঐগী হকচাং অসি নত্রগা খুৎলায় অসি লৌহৌ ॥১০॥ দ্রোণনা হায়খি— খুৎলাই পুন্নমক অদু, মাহু পুন্নমক অদুগী শিজিন্ননবা নিয়ম মন্ত্র অমসুং কাপথোকপা লৌশিনবা অসিনচিংবগী সাধন পুন্নমক্তা লোয়ননা পীবিয়ু ॥১১॥ ব্রাহ্মী লীব ব্রাহ্মণনা হায়— "করে অদু মঙাইরে মাদুমক ওইরসনু" অসুম হায়দুনা পরশুরামনা দ্রোণগী মফমদা খুৎশু খুৎলাই পুন্নমক

সম্প্রহৃষ্টমনা দ্রোণো রামাৎ পরমসম্মতম্। ব্রহ্মাস্ত্রং সমনুপ্রাপ্য নরেষভ্যধিকোঽভবৎ ॥১৩॥
ততো দ্রুপদমাসাদ্য ভারদ্বাজঃ প্রতাপবান্। অব্রবীৎ পুরুষব্যাঘ্র! সখায়ং বিদ্ধি মামিতি ॥১৪॥

দ্রুপদ উবাচ।

নাশ্রোত্রিয়ঃ শ্রোত্রিয়স্য নারথী রথিনঃ সখা। নারাজা পার্থিবস্যাপি সখিপূর্ব্বং কিমিষ্যতে ॥১৫॥

ব্রাহ্মণ উবাচ

স বিনিশ্চিত্য মনসা পাঞ্চাল্যং প্রতি বুদ্ধিমান্। জগাম কুরুমুখ্যানাং নগরং নাগসাহ্বয়ম্ ॥১৬॥
তস্মৈ পৌত্রান্ সমাদায় বসূনি বিবিধানি চ। প্রাপ্তায় প্রদদৌ ভীষ্মঃ শিষ্যান্ দ্রোণায় ধীমতে ॥ ৭॥
দ্রোণঃ শিষ্যাংস্ততঃ সর্ব্বানিদং বচনমব্রবীৎ। সমানীয় তু তান্ শিষ্যান্ দ্রুপদস্যাসুখায় বৈ ॥১৮॥
আচার্য্যবেতনং কিঞ্চিদ্ধৃদি সম্বর্ত্ততে মম। কৃতাস্ত্রৈস্তৎ প্রদেয়ং স্যাৎ তদৃতং বদতানঘাঃ! ।
সোঽর্জ্জুনপ্রমুখৈরুক্তস্তথাস্ত্বিতি গুরুস্তদা ॥১৯॥
যদা চ পাণ্ডবাঃ সর্ব্বে কৃতাস্ত্রাঃ কৃতনিশ্চয়াঃ। ততো দ্রোণোঽব্রবীদ্ভূয়ো বেতনার্থমিদং বচঃ ॥২০॥
পার্ষতো দ্রুপদো নাম ছত্রবত্যাং নরেশ্বরঃ। তস্মাদাকৃষ্য তদ্রাজ্যং মম শীঘ্রং প্রদীয়তাম্ ॥২১॥

শিন্নখি, দ্রোণাচার্য্যসু মাদু ফংলদুনা নীংব থুংখি ॥১২॥ দ্রোণনা মতৌ অসুমনা পরশুরামগী মফমদগী মহাকমক্ত নিংজবা ব্রহ্মাস্ত্রবু ফংলদুনা যামনা পেনখি, মুংঙাইখি, নিপা মরক্তা খব্বাইদগী অথোইবা অম ওইখি ॥২৩॥

অদুগী তুংদা মতিক মগুণ লৈরবা দ্রোনাচার্য্যনা দ্রুপদ নিংথৌগী মফমদা চৎখিদুনা হায়রকই —নিপা ওইনা পোকপগী মমুংদা অথোইবা। ঐ অসি মহাকী চান্নথ্রবা মরূপ অমনি হায়না খনবিয়ু ॥১৪॥ দ্রুপদনা হায়—বেদ থংবা ব্রাহ্মণগা খংদবগা, রথীগা রথী নত্তবগা, নিংথৌগা নিংথৌ নত্তবগা মরূপ থক ওইনবা হৌনদে। ফরে অদু ওইরবসু ওইরসনু, ঐগা মরূপ শান্নরগা কবি পাম্বিবগে? ॥১৫॥ ব্রাহ্মণনা হায—শিংলবা দ্রোননা করিমতা খুমদনা মপুকনিংদা নং অমুক্তদি "সুম হায়না খল্ল-খল্লদুনা 'কৌরবশিংগী কোম্নুং হস্তিনাপুর তান্না চৎখি ॥১৫॥ হৈ শিংলবা দ্রোণনা হস্তিনাপুরদা ভীষ্মনা মঙোন্দা শনা লুপা ফীরোলনচিংবা য়ামনা পীদুনা মহাকী মফমদা মশুশিংবু শিষ্যগী মতৌ-শুমনা শিন্নদুনা এহৈ তমহনখি ॥১৭॥ অদুগী তুংদা দ্রোণনা শিষ্যশিংবু পুরকদুনা দ্রুপদ নিংথৌগী মফমদা অব্বাবা ইকায়বা পীদুনা লমন খুমননবা ব্বা অসি হায়খি ॥১৮॥ হে পাপ য়াওদ্রবা, মুংশিরবা শিষ্যশা। ঐনা অসুম খনবদা নখোয়দা নহৈ তম্বিবগী ওঝাদা নংনা নংনা কৎকদবা দক্ষিণা অদু পীগদম থোকমান্নে হায়না খল্লি, অদুনা মাহু পীগদরা শেংনা চুমনা হায়ু।" মাহ তারবদা অর্জ্জুন-নচিংবা শিষ্যশিংনা 'ননাই ঐখোয় শোয়দনা কচ্চগনি" অসুম হায়না খুমখি ॥১৯॥ অদুগী তুংদা পাণ্ডবনচিংবা শিষ্য পুমনমকনা খুৎশুখুৎলাই তম্বা লোইরদুনা গুরু দ্রোণগী নীংবা থুংনবা তৌরগে হায়না লেপ্নখি। মতম অদুদা দ্রোণাচার্য্যনা হায়খি ॥২০॥ পৃষতগী মচা দ্রুপদ হায়না কৌবা ছত্রবতীগী নিংথৌ অমা লৈবনি; নখোয় পুমনমকনা মহাক্কী মফমদগী লৈপাক অদু মুন্দুনা পুররকলগা ঐঙোন্দা পান তৌ ॥২১॥

ততঃ পাণ্ডুসুতাঃ পঞ্চ নির্জ্জিত্য দ্রুপদং যুধি। দ্রোণায় দর্শয়ামাসুর্বদ্ধা সসচিবং তদা ॥২২॥

দ্রোণ উবাচ।

প্রার্থয়ামি ত্বয়া সখ্যং পুনরেব নরাধিপ! । অরাজা কিল নো রাজ্ঞঃ সখা ভবিতুমর্হতি ॥২৩॥

অতঃ প্রযতিতং রাজ্যে যজ্ঞসেন! ত্বয়া সহ। রাজাসি দক্ষিণে কূলে ভাগীরথ্যাহমুত্তরে ॥২৪॥

ব্রাহ্মণ উবাচ।

এবমুক্তো হি পাঞ্চাল্যো ভারদ্বাজেন ধীমতা। উবাচাস্ত্রবিদাং শ্রেষ্ঠং দ্রোণং ব্রাহ্মণসত্তমম্ ॥২৫॥

এবং ভবতু ভদ্রং তে ভারদ্বাজ! মহামতে!। সখ্যং তদেব ভবতু শশ্বদ্‌যদভিমন্যসে ॥২৬॥

এবমন্যোন্যমুক্ত্বা তৌ কৃত্বা সখ্যমনুত্তমম্। জগ্মতুর্দ্রোণপাঞ্চাল্যৌ যথাগতমরিন্দমৌ ॥২৭॥

অসৎকারঃ স তু মহান্ মুহূর্ত্তমপি তস্য তু। নাপৈতি হৃদয়াদ্রাজ্ঞো দুর্ম্মনাঃ স কৃশোঽভবৎ ॥২৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

চৈত্ররথে দ্রৌপদীসম্ভবে উনষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—০.(০):০—

অদুগী তুংদা পাণ্ডবশিংনা লান্দ দ্রুপদবু ভুমহনা মাগী মন্ত্রীশিংগা লোয়ননা দ্রুপদবু পুন্দুনা পুরক্লগা গুরু দ্রোণগী মমাংদা উহনখি ॥২২॥ দ্রোণনা হায়— নিংথৌ! ঐ হৌজিকসু নহাকা মরূপ ওইবা পাম্মি। অদুবু নহাকী মতদা নিংথৌগা নিংথৌ নত্তবগা মরূপ ওইবা যাদে ॥২৩॥ মরম অদুনা মরূপ নহাক্কা নিংথৌ ওইমিন্নহনা লৈগে হায়না ঐনা হোৎনবনি। গঙ্গাগী মখা থংবা শরুক্তা লৈরিবা লম মখেগীনা মরূপনা নিংথৌ ওইবিবা, অদুগা অৱাং থংবা শরুকী নিংথৌনা ঐনা ॥২৪॥ ৱারী লীরিবা ব্রাহ্মণনা হায়— শিংলবা দ্রোণাচার্য্যনা অসুম হায়রবদা পাঞ্চাল নিংথৌ দ্রুপদনা খুৎলাই হৈবগী মনুংদা অথোইবা অমসুং ব্রাহ্মণ অথোইবা দ্রোণগী মফমদা হায়রখি ॥২৫॥ ৱাখল চাওরবা, শিংলবা দ্রোণ! মঙ্গল ওইবিয়ু, মাদুমক ওইরসনু, যাজরে। নংগা ঐগা মরূপ ওইনরিবসে লেংদবা ওইসনু। নহাক্না নীংলিবা অদুমক ওইরসনু ॥২৬॥ য়েক্লবা ভুম্ববা দ্রোণগা দ্রুপদগা অসুমনা অমগা অমগা ভাংমদুনা য়ামনা নীংথিনা মরূপ শাম্নখিহনা মাগী মাগী মফমদা হন্নখি ॥২৭॥ অদুমদি ওইরবদা দ্রোণনা তৌখিবা, থুমখিবা লম্মন মথুম অদু মিকুপ অমা ফাওবা দ্রুপদনা কাওবা লৈতে, থল্লু থল্লুবদা অসুম হুংঙাইখিদবনা দ্রুপদ অসি নোংম নোংমগী মায়থোং লাংশিল্লকই, ময়াং কংশিল্লক্রে ॥২৮॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা

চৈত্ররথদা দ্রৌপদী পোকপগী মতাংদা চামগা য়াথেমাপল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—০(০):০—

শ্রীমহাভারতম্

(দ্রৌপদী শোকপলী [illegible])

(চাম্রা [illegible] [illegible])

—:(০):—

ব্রাহ্মণ উবাচ।

অমর্ষাদ্দ্রুপদো রাজা কর্ম্মসিদ্ধান্ দ্বিজর্ষভান্। অন্বিচ্ছন্ পরিচক্রাম ব্রাহ্মণাবসথান্ বহূন্ ॥১॥
পুত্রজন্ম পরীপ্সন্ বৈ শোকোপহতচেতনঃ। নাস্তি শ্রেষ্ঠমপত্যং মে ইতি নিত্যমচিন্তয়ৎ ॥২॥
জাতান্ পুত্রান্ স নির্ব্বেদাদ্ধিগ্ বন্ধূনিতি চাব্রবীৎ। নিশ্বাসপরমশ্চাসীদ্দ্রোণং প্রতি চিকীর্ষয়া ॥৩॥
প্রভাবং বিনয়ং শিক্ষাং দ্রোণস্য চরিতানি চ। ক্ষাত্রেণ চ বলেনাস্য চিন্তয়ন্নাধ্যগচ্ছত ॥৪॥
প্রতিকর্ত্তুং নরশ্রেষ্ঠো যতমানোঽপি ভারত। অভিতঃ সোঽথ কল্মাষীং গঙ্গাকূলে পরিভ্রমন্ ॥৫॥
ব্রাহ্মণাবসথং পুণ্যমাসসাদ মহীপতিঃ। তত্র নাস্নাতকঃ কশ্চিন্ন চাসীদব্রতী দ্বিজঃ ॥৬॥
তথৈব চ মহাভাগঃ সোঽপশ্যৎ সংশিতব্রতৌ। যাজোপযাজৌ ব্রহ্মর্ষী শাম্যন্তৌ পরমেষ্ঠিনৌ ॥৭॥
তারণে যুক্তরূপৌ তৌ ব্রাহ্মণাবৃষিসত্তমৌ। স তাবামন্ত্রয়ামাস সর্ব্বকামৈরতন্দ্রিতঃ ॥৮॥

ব্রাহ্মণনা হায়— দ্রুপদ নিংথৌনা দ্রোণগী মকন্নদা শাওথিহনা অমুক্তং লমন থুমগে থন্দুনা যজ্ঞনচিংবগী থবক্তপ য়ামন হৈরবা কাওরবা ব্রাহ্মণ অসুম থিরকপদা ব্রাহ্মণ কয়া কয়াগী লৈকমদা চংথি ॥১॥ "ঐনীদি ফরবা ইচা নিপা অমত্তা পোক্তেব্রকো" অসুম হায়না চিন্তা তৌরক্লে, য়াথল অসিদা পুমন্তাও ঙাওথিহনা, ফরবা মচা নিপা অমত্তং পোক্লিংবনা মহাক্কী থম্মোই অহ্ অবাবা পুংভাইতবনা থনখি ॥২॥ অবাব পুংভাইতবহ থাংব ঙমদহনা মহাংঙৈদা পোকখিবা মচাশিংবু অমসুং শাগে নাতৈশিংবু "ওয়োয়া তোমিনদা!" অসুম হায়না তকসি শোন্দুনা নিন্দা তৌখি, মুংশা মপী মুইন মুটনা হোত্নি ॥৩॥ দ্রোণগী মতিক মগুণ, তৌব ওম্বা, নেংমুবগা তম্বা, মকৈ মশিং অমদি লমচৎ অসিনচিংবা পুক্নমক থম্মুবদ মহাকপু তম্বাই তরায়না ক্ষত্রিয়গী শক্তিনা পাক হেক্ক ওম্বা হায়বনি খইগোক্তবনি হায়না থনবা হৌয়ক্লে ॥৪॥ অহগী তুংদা দ্রুপদ নিংথৌ অসিনা দ্রোণগী মকমদা অমুক্ত করমনা লক্সন থুমসিগে হায়থসি য়ামনা কম হোৎনখি; অসুম হোৎনে হোৎনমা তোংব অসুম কোয়মকপদা গঙ্গা অমদি যমুনা অনিগী মপান্দা শেংলবা ব্রাহ্মণশিংগী লৈফম মকম অম থেংনরে। মকম অদুদা ব্রহ্মচারী নত্তবা, ব্রত উপাসনা তৌরবা ব্রাহ্মণ অমত্তনু লৈরমদে ॥৫—৬॥ দ্রুপদ নিংথৌনা লম অদুদা অসুম হেনহ কনা চৎকুনা কোয়বদা যাজ অমদি উপযাজ কৌবা ব্রহ্ম-সাধন তৌবা ব্রাহ্মণ অনি উমরে; মখোয় অনিমিনি [illegible], তপস্যা কনবিবা গুণ পুম্নমক্ক [illegible]; ব্রাহ্মণী [illegible] মতিক মগুণ লৈবা। [illegible] কমবিব ওম্বা ব্রাহ্মণ [illegible] [illegible]। তৌশিন নীংথিবা থবক্তপ হনবা তনব লৈবদ্বু [illegible] দ্রুপদনা মখোয় অনিদা দান পতিন্নবা [illegible] [illegible] হায়না [illegible] ব্রাহ্মণ অনি

যুক্তা বলং তয়োস্তত্র কনীয়াংসমুপহ্বরে। প্রপেদে ছন্দয়ন্ কামৈরুপযাজং ধৃতব্রতম্ ॥৯॥
পাদশুশ্রূষণে যুক্তঃ প্রিয়বাক্ সর্বকামদঃ। অর্চয়িত্বা যথান্যায়মুপযাজমুবাচ সঃ ॥১০॥
যেন মে কর্ম্মণা ব্রহ্মন্! পুত্রঃ স্যাদ্‌দ্রোণমৃত্যবে। উপযাজ! কৃতে তস্মিন্ গবাং দাতাস্মি তেঽর্ব্বুদম্ ॥১১॥
যদ্বা তেঽন্যদ্দ্বিজশ্রেষ্ঠ! মনসঃ সুপ্রিয়ং ভবেৎ। সর্ব্বং তত্তে প্রদাতাঽহং নহি মেঽস্ত্যত্র সংশয়ঃ ॥১২॥
ইত্যুক্তো নাহমিত্যেবং তমৃষিঃ প্রত্যভাষত। আরাধয়িষ্যন্ দ্রুপদঃ স তং পর্য্যচরৎ পুনঃ ॥১৩॥
ততঃ সংবৎসরস্যান্তে দ্রুপদং স দ্বিজোত্তমঃ। উপযাজোঽব্রবীৎ কালে রাজন্! মধুরয়া গিরা ॥১৪॥
জ্যেষ্ঠো ভ্রাতা মমাগৃহ্লাদ্বিচরন্ গহনে বনে। অপরিজ্ঞাতশৌচায়াং ভূমৌ নিপতিতং ফলম্ ॥১৫॥
তদপশ্যমহং ভ্রাতুরসাম্প্রতমনুব্রজন্। বিমর্শং সঙ্করাদানে নায়ং কুর্য্যাৎ কদাচন ॥১৬॥
দৃষ্ট্বা ফলস্য নাপশ্যদ্দোষান্ পাপানুবন্ধকান্। বিবিনক্তি ন শৌচং যঃ সোঽন্যত্রাপি কথং ভবেৎ ॥১৭॥
সংহিতাধ্যয়নং কুর্ব্বন্ বসন্ গুরুকুলে চ যঃ। ভৈক্ষ্যমুৎসৃষ্টমন্যেষাং ভুঙ্‌ক্তে স্ম চ যদা তদা ॥১৮॥

অসিবু যজ্ঞ তৌবিরো হায়না নিমন্ত্রণ তৌতুনা কৌখ্রে ॥৭—৮॥ মফম অদুদা মখোয় অনিগী তৌবা ভুম্বা, মতিক মগুণ উরতুনা, হেক পামলিবা পুমনমক পীগনি কৎকনি হায়তুনা খ্বাশক্রুনা মীহৌহন্দুনা ব্রত কল্লবা মনাও ব্রাহ্মণ উপযাজ হায়বহুগী মফমদা থব্রাই হকচাং অমতা ওইনা চংজখি ॥৯॥

মতম অদুদা উপযাজ কৌবা যাজ্ঞিক ব্রাহ্মণ অসিগী মখোং-মথুৎ হামতুনা, নুংশিবা অথোৎপা খ্বাহৈনা হেক পাম্বিরিবা পোৎচৈ পুম্নমক কৎকনি হায়তুনা নিয়ম কায়দনা পূজা তৌহনা লৈশিংলৈথোন্দুনা দ্রুপদ নিংথৌনা হায়খি ॥১০॥ ব্রহ্মর্ষি! দ্রোণ হাৎননবা, মাবু হাৎপা ইচা নিপা অমা পোক্লনবা যজ্ঞ তৌবিরবদি ঐ শোয়দনা ব্রাহ্মণদা ষণ য়ামা কচ্চগনি ॥১১॥ নত্রগা হে ব্রাহ্মণ অথোইবা! অসি নত্তবা অতৈ ব্রাহ্মণনা হেক পাম্বিবা পোৎচৈ শনা-লুপা ঐনা দান তৌজগনি, মাসিদা করিমতা চিংনবিগনু ॥১২॥ নিংথৌ দ্রুপদনা অসুম হায়রবা কান্দা উপযাজ কৌবা ব্রাহ্মণনা "ঐ মাদু থক তৌবা ঙম্মোই" হায়না খুমই। অদুদগী দ্রুপদনা উপযাজগী পেন্নবা মপুক্লিং থুংননবা হান্নদগী অমুক হেন্না সেবা পূজা কন্না তৌবা হৌখি ॥১৩॥ অসুম তৌতুনা চহী অমা ফায়বা মতমদা, ব্রাহ্মণ অথৌইবা উপযাজনা অথুম্বা খ্বাহৈনা দ্রুপদদা হায়খি ॥১৪॥

তাবিয়ু মহারাজ, ঐনা নোংমা, ঐগী ইয়াম্বগা লোয়ননা বনদা অসুম কোইরিঙৈদো মফম অদু শেংত্রা শেংদবরা হায়বা বিচার ইতৌ তৌদনা ঐগী ইয়াম্বনা মথম অদুদা তারিবা উহৈ অমা থুনগত্তুনা হেক লৌই ॥১৫॥ ইয়াম্বা অতুনা তৌরিবা চুমদবা থবক অদু ঐনা মাগী তুং ইন ইনা চৎপদা হেক উরে। মহাক্না করিগুম্বা মতমদা অশেংবরা শেংদবরা অসুম হায়না, চিংনকম থোকপা পোৎ লৌবদা য়াম্বনা কুপ্না বিচার, তৌদে ॥১৬॥ মহাকনা উহৈ অদু হেক উবদা, পাপ পুবা য়াবা দোষশু উখিদে, অদুগা অশেংবনি হায়বগী বিচারসু তৌদে; অদুনদি মহাক্না অতোপ্পা মফমশু করিগী তৌরুবনি ॥১৭॥ মহাক্না গুরুগী আশ্রমদা লৈরিঙৈদা বেদ পাঠ তৌরম্মি; অদুগা মতম অহমতুদা অতোপ্পগী ভিক্ষাদা ফংবা পোৎ অদুগী অরেম্বা মুথাকসু হেক্তা শচায়। করিমতা তুকচবা

কীর্ত্তয়ন্ গুণমস্নানামস্থুনী চ পুনঃ পুনঃ। তং বৈ ফলার্থিনং মন্যে ভ্রাতরং তর্কচক্ষুষা ॥১৯॥
তং বৈ গচ্ছস্ব নৃপতে! স ত্বাং সংযাজয়িষ্যতি। জুগুপ্সমানো নৃপতির্মনসেদং বিচিন্তয়ন্ ॥২০॥
উপযাজবচঃ শ্রুত্বা যাজস্যাশ্রমমভ্যগাৎ। অভিসম্পূজ্য পূজার্হমথ যাজমুবাচ হ ॥২১॥
অযুতানি দদাম্যষ্টৌ গবাং যাজয় মাং বিভো!। দ্রোণবৈরাভিসন্তপ্তং প্রহ্লাদয়িতুমর্হসি ॥২২॥
স হি ব্রহ্মবিদাং শ্রেষ্ঠো ব্রহ্মাস্ত্রে চাপ্যনুত্তমঃ। তস্মাদ্দ্রোণঃ পরাজৈষ্ট মাং বৈ স সখিবিগ্রহে ॥২৩॥
ক্ষত্রিয়ো নাস্তি তস্যাস্যাং পৃথিব্যাং কশ্চিদগ্রণীঃ। কৌরবাচার্য্যমুখ্যস্য ভারদ্বাজস্য ধীমতঃ ॥২৪॥
দ্রোণস্য শরজালানি প্রাণিদেহহরাণি চ। ষড়রত্নি ধনুশ্চাস্য দৃশ্যতে পরমং মহৎ ॥২৫॥
স হি ব্রাহ্মণবেশেন ক্ষাত্রং বেগমসংশয়ম্। প্রতিহন্তি মহেষ্বাসো ভারদ্বাজো মহামনাঃ ॥২৬॥
ক্ষত্রোচ্ছেদায় বিহিতো জামদগ্ন্য ইব স্থিতঃ। তস্য হ্যস্ত্রবলং ঘোরমপ্রাধৃষ্যং নরৈর্ভুবি ॥২৭॥
ব্রাহ্মং সন্ধারয়ংস্তেজো হুতাহুতিরিবানলঃ। সমেত্য সংদহত্যাজৌ ক্ষাত্রং ব্রহ্মপুরঃসরঃ ॥২৮॥
ব্রহ্মক্ষত্রে চ বিহিতে ব্রাহ্মং তেজো বিশিষ্যতে। সোহহং ক্ষত্রবলাদ্ধীনো ব্রাহ্মং তেজঃ প্রপেদিবান ॥২৯॥

তৌদনা হন্না হন্না চারিবা পোৎ অদুবু হাওই হাওই হায়দুনা থাগৎলি। ইয়াম্বা অতু এনা অসুম থনবদা শেলপামগনবা মীনি হায়না নীংঙি ॥১৮—১৯॥ মরম অদুনা নিংথৌ। এগী শেল পাম-গনবা ইয়াম্বা অহ্নগী মফমদা চৎপিরু, মহাকতি হায়রিবসি য়ারকপা য়াই; মহাক্না শোয়দনা মহারাজগী অভাং পোকনবা যজ্ঞ তৌরকনি। দ্রুপদ নিংথৌনা উপযাজগী ৱা অসি তাবদা যাজ কৌবা ব্রাহ্মণ অদুনা তৌরিবা থবক অহ্ন মুন্না খন্দুনা অমদি মাহুবু অরানবনি হায়না নিন্দা তৌর তৌরদুনা মহাক্কী আশ্রমদা চৎখি, দ্রুপদনা যাজ কৌবা ব্রাহ্মণ অদুগী পূজানচিংবা হৌনবী পুম্বা তৌরগা হায়রকই ॥২০—২১॥ মহর্ষি! মহর্ষিনা এগী যজ্ঞ অসি থর তৌবিযু, মহর্ষিদা এ ষণ য়ামনা দান তৌজগনি। দ্রোণনা এডোন্দা তৌখিবা য়েক্কবগী লমচৎ অহদা এগী থম্মোই অসি চাকলে। অথোইবা ব্রাহ্মণ। নংনা এগী অৱাবসি অমুক্তা কোকহনবিয়ু ॥২২॥ বেদ খংবগী মমুংদমু অথোইবা খুংগু খুংলাই ব্রহ্মাস্ত্র নচিংবদা হৈবশিংগী মমুংদমু অথোইবা দ্রোণ হায়বদুনা এবু লালদা মাঙথিবা পীরে ॥২৩॥ কৌরবশিংগী খুংলাইগী ওঝা অমসুং থোইদোকনা হৈ-শিংলবা দ্রোন হায়বসিদগী হেন্না হৈশিংবা কনবা লাম্মী অমা জগৎ অসিদা লৈত্তে ॥২৪॥ দ্রোনগী তেলনা থৱাইবু হকচাংদগী খুদক্তা হুদুনা পুবা ঙম্মি; মহাক্কী লীরুং অহ্ন খুদ্দপ তকক শাংঙি ॥২৫॥ লান্দা কন্নৌরবা, অচৌবা লীরুং পায়রবা দ্রোননা ব্রাহ্মণগী শক্তিনা ক্ষত্রিয়গী শক্তিবু নমহৎখে, ॥২৬॥ বিধাতানা মহাকপু পরশুরামগী মতৌগুমনা ক্ষত্রিয়শিংযু তুমনা মাংহনবা শেমশ্রবনি। মরম অদুনা মহক্কী খুংলাইগী পান্জল অসে অঙকপা মনা অকিবগী মশকনি, জগৎ অসিদা ম্ভাইবং মী অমনা ঙমফত্রবনি ॥২৭॥ মী হৈজিলবা মৈগী মৈরীগুম্বা মহাক্কী ব্রহ্মতেজনি, অদুগুম্বা ব্রাহ্মতেজবু মাংহোইননা থমল। ক্ষত্রিয়গী শক্তিনা লালকমদা য়েকনশিংবু চাকথোকহল্লি ॥২৮॥ বিধাতানা ব্রহ্মতেজ হায়বা অম। ক্ষত্রিয়তেজ হায়বা অমগা অনি শেম্মি; অনিসিগী মনুষ্যা ব্রহ্মতেজনা অথোইবনি; মরম অদুনা এনা ক্ষত্রিয় অমা ওইরমদু ব্রহ্মতেজ অহুবু কিবনা ব্রহ্মতেজ লৈরবা ব্রাহ্মণ নংগী মকদা চংজরি

দ্রোণাদ্বিনির্জিতোঽস্মি তৎ ভৃশমপ্রিয়মত্র। দ্রোণান্তকমহং পুত্রং লভেয়ং যুধি দুর্জয়ম্ ॥৩০॥
তৎ কর্ম্ম কুরু মে যাজ! বিতরাম্যর্ব্বুদং গবাম্। তথেত্যুক্তা তু তং যাজো যাজ্যার্থমুপকল্পয়ৎ ॥৩১॥
গুর্ব্বর্থ ইতি চাকামমুপযাজমচোদয়ৎ। যাজো দ্রোণবিনাশায় প্রতিজজ্ঞে তথা চ সঃ ॥৩২॥
ততস্তস্য নরেন্দ্রস্য উপযাজো মহাতপাঃ। আচখ্যৌ কর্ম্ম বৈতানং তদা পুত্রফলায় বৈ ॥৩৩॥
স চ পুত্রো মহাবীর্য্যো মহাতেজা মহাবলঃ। ইষ্যতে যদ্বিধো রাজন্! ভবিতা তে তথাবিধঃ ॥৩৪॥
ভারদ্বাজস্য হন্তারং সোঽভিসন্ধায় ভূপতিঃ। আজহ্রে তত্তথা সর্ব্বং দ্রুপদঃ কর্ম্ম সিদ্ধয়ে ॥৩৫॥
যাজস্তু হবনস্যান্তে দেবীমাজ্ঞাপয়ত্তদা। প্রৈহি মাং রাজ্ঞি! পৃষতি! মিথুনং ত্বামুপস্থিতম্ ॥৩৬॥

রাজ্ঞ্যুবাচ।

অবলিপ্তং মুখং ব্রাহ্মন্! দিব্যান্ গন্ধান্ বিভর্ম্মি চ। সুতার্থে নোপলব্ধাস্মি তিষ্ঠ যাজ! মম প্রিয়ে ॥৩৭॥

যাজ উবাচ।

যাজেন শ্রপিতং হব্যমুপযাজাভিমন্ত্রিতম্। কথং কামং ন সন্দধ্যাৎ সা ত্বং বিপ্রৈহি তিষ্ঠ বা ॥৩৮॥

॥২৯॥ দ্রোণদগীমকস্তু হেন্না বেদ খংলবা ব্রাহ্মণ নত্তোন্দা চংজতুনা নহাক্কী পাম্বেনা, লান্দা পাক ভমফত্রবা, দ্রোণ হাংপা ঙম্বা ইচানিপা অমা ফংজগে ॥৩০॥

হে মহর্ষি যাজ। ব্রাহ্মণনা ঐগী ইচা পোক্লবা যজ্ঞ অসি তৌবিয়ু। ঘনবী মন্নাও যাম্না দক্ষিনা ওইনা কচ্চগনি। "ফরে অহ মত্তাইরে" অস্মুম হায়না যারফুনা যাজ কৌবা যাজ্ঞিক ব্রাহ্মণ অতুনা দ্রুপদমু মহাক্কী যজমান ওইরে হায়না যাব্বিরে ॥৩১॥ মচা পোক্লবগীদমক ল্লিংখৎপা "পুত্রযাগ" হায়বসি যাম্না লুই, মসম অতুনা যজ্ঞ অসিদা চংগদবা পোৎচং মথৈ লিংথোক্না হায়নবা তাক্লনবা উপযাজদা যাজনা হায়খি ॥৩২॥ অতুগী ভুংদা থোইদোক্না তপস্যা কল্লবা উপযাজ কৌবা ব্রাহ্মণ অতুনা নিংথৌ দ্রুপদগী মফমদা পুত্রযাগ কৌবা যজ্ঞদা চংগদবা মচাক মথৈ লোইনা ব্রাত্তনা হায়খি অহংগা সিনহু হায়খি ॥৩৩॥ মহারাজ। মহারাজনা পাম্বিরিবা মতিক মগুণ মথোনা লৈরবা মোইনা মপাঙ্গল কল্লবা, মথৌনা চৌনবা ইচং থোরবা নচা অমো শোয়দনা পোক্লগনি॥৩৪॥ অদুগী তুংনা, দ্রুপদ নিংথৌনা দ্রোণ হাৎ-ঙম্বা মচানিপা অম ফংনিংদনা, অদুগা মাদু পাংথোক্লনবগী দমক যাজ উপযাজ কৌবা ব্রাহ্মণ মচিন মনাও অনিনা তাকপা পাত্তাক মতুং ইন্না পুত্রযাগ কৌবা যজ্ঞ অহু লিংথিনা পাংথোকখি ॥৩৫॥

যজ্ঞ অমু লোইংথিনা পাংথোকখ্রবদা, যাজনা দ্রুপদগী মহারাণীদা হায়খি—"মহারাণী! পৃষতী! অসোমদা চাংবিরকউ; য়েংবিয়ু, মহারাণীগী নচা অনি থুংলরবনি" ॥৩৬॥ মহারাণীনা হায়—ব্রাহ্মণ! ঐহি চৌখিক কাওনা চীনশ্বা তেংল্লি; ঈরুফত্রি, হকচাংদো তৈবা থাওনী মমম কোত্তি। অতনা ব্রাহ্মণ! ক্রহাক ভাইখিথো, ইচাদো য়ামনা পাম্মজে, অমু চৌজিক হকচাং শেংল্লোক্তি, তৈদা বরুগী প্রেমগী, অদো চায় ভানজবোই ॥৩৭॥ যাজনা হায়—যাগে যাজনা থোংবনি, উপযাজনা মন্ত্র শোনখ্রবনি। অদুনা লোয়দনা হবি অসিনা নীংজিবা পাম্মলিবা মদু অমু করিগী পীরোই? "অদুনা

ব্রাহ্মণ উবাচ।

এবমুক্তা তু যাজেন হুতে হবিষি সংস্কৃতে। উত্তস্থৌ পাবকাত্তস্মাৎ কুমারো দেবসন্নিভঃ ॥৩৯॥
জ্বালাবর্ণো ঘোররূপঃ কিরীটী বর্ম্ম চোত্তমম্। বিভ্রৎ সখড়্গঃ সশরো ধনুষ্মান্ বিনদন্ মুহুঃ ॥৪০॥
সোহধ্যারোহদ্রথবরং তেন চ প্রযযৌ তদা। ততঃ প্রণেদুঃ পাঞ্চালাঃ প্রহৃষ্টাঃ সাধু সাধ্বিতি ॥৪১॥
হর্ষাবিষ্টাংস্ততশ্চৈতান্ নেয়ং সেহে বসুন্ধরা। ভয়াপহো রাজপুত্রঃ পাঞ্চালানাং যশস্করঃ ॥৪২॥
রাজ্ঞঃ শোকাপহো জাত এষ দ্রোণবধায় বৈ। ইত্যুবাচ মহদ্ভূতমদৃশ্যং খেচরং তদা ॥৪৩॥
কুমারী চাপি পাঞ্চালী বেদিমধ্যাৎ সমুত্থিতা। সুভগা দর্শনীয়াঙ্গী স্বসিতায়তলোচনা ॥৪৪॥
শ্যামা পদ্মপলাশাক্ষী নীলকুঞ্চিতমূর্দ্ধজা। তাম্রতুঙ্গনখী সুভ্রূশ্চারুপীনপয়োধরা ॥৪৫॥
মানুষং বিগ্রহং কৃত্বা সাক্ষাদমরবর্ণিনী। নীলোৎপলসমো গন্ধো যস্যাঃ ক্রোশাৎ প্রধাবিতঃ ॥৪৬॥
যা বিভর্ত্তি পরং রূপং যস্যা নাস্ত্যুপমা ভুবি। দেবদানবযক্ষাণামীপ্সিতা দেবরূপিণী ॥৪৭॥
তাঞ্চাপি জাতাং সুশ্রোণীং বাগুবাচাশরীরিণী। সর্ব্বযোষিদ্বরা কৃষ্ণা নিনীষুঃ ক্ষত্রিয়ান্ ক্ষয়ম্ ॥৪৮॥

মহারাণী! মহারাণীনা লাকপিগে লাকপিয়, লাকপিরোই হায়বসু ফরে।৩৮॥ ব্রাহ্মণনা হায়খি—যাজনা মতৌ অসুমনা মন্ত্র শোনখ্রবা হবি অহু যজ্ঞগী মৈসুংদা হোম হেক তৌবদা, থুদক অদুমক্তদা মৈগী মতৌগুমনা তেজ লৈরবা, লংলব', ফজরবা অকিগী মশক ফংলবা অমম্বং লুহুপ লাপগী ফুরিৎ লীকং তেল থাংশাংনচিংবা পুমনমক লোয়নরবা দেবতাগা মান্নবা নিপামচা অমা ভংলদুনা মৈসুং অহুদগী চোংথোরকই ॥৩৯—৪০॥ মতম অহুদা নিপামচা অসি ফজরবা রথ অমদা চোংখত্তুনা হেক থোক্তনা চৎলি। মাদু উবদা পাঞ্চালগী অদুক য়াম্বা মীশিং অদুনা ধন্যনি, ধন্যনি, সুংগাইরে, অসুম হায়না পুমনিন নিন্ন লাওনখি ॥৪১॥ মতম অহুদা পৃথিবী অসি কা হেন্ন সুংগাইখ্রবা পাঞ্চালশিংবু পুবা ঙম্মক্তবে, থক থক নীকই। মতম অদুদা অতিয়াদা লৈবা, মশক উবা ফংদবা অচৌবা মীশক অমনা অসুম হায়না আকাশবাণী তৌরকই—"দ্রোন হাৎননবা পোকলিবা রাজকুমার অসিনা পাঞ্চালশিং পুমনমক্কী অকিবা সুংগাইতবা পুম্বা কোকহনগনি পাঞ্চালশিংগী মিংচৎ চাওখৎ-হনগনি, নিংথৌ দ্রুপদগী অন্নাবা পুম্বা কোকহন্দুনা নীংবা থুংহনগদৌরি।৪২—৪৩॥ অদুগা যজ্ঞগী বেদিদগী কন্যা অমগা তমুক চোংথোরকই, মহাক্কী মিংদি পাঞ্চালী কৌই। মহাক্কী কুচুদি পুকনিং হুনবা মশকনি, হকচাং কাযাৎ পুমনমক য়েংবদা মিৎক্রম হোংবা যাদে। মিৎ অনিহুনা ওঙ্গোকনা ফজে, তীংদা য়াংদা ফজবী, মরেপকা মঙালগা বেংবদা মরেপ্না ভমলপ তৌবী, শংবান্নবী কন্যানি। মিৎ অনিনা থম্বাল মনাগুম ফজে, মুরবা অমসুং খোইখোয় তাবা শম্নাংনি। খুজিন্না কোরী মচু মান্নি অমসুং ময়াই হাইফেৎ তোংঙ্গি পীগুম অনি তাবনা, পুকনিং হুনবা মশকনি। য়াং চাওরবা কন্নবা খোম অনিনা নীংথিজবী কন্যানি। কনাগুম্বী লাইরেম্বীনা, স্বর্গ লমদম থাদোক্তনা, তাইবং মশক লৌতুনা মর্ত্তালোকতা লাকপরা', অসুম হায়না থন্নকমনি। থম্বাল অশাংবমী মনমগুম সুগন্ধি শিরবা হকচাংগী, মনমনা কুথক অমা চৎপী, অদুগুম্বী কন্যানি ॥৪৪—৪৬॥ অসুক্কী মতিক ফজেদো, জগতা মপা লৈতবীনি, মদুম অদুনা লাইরেম্বীগুম্বী কন্যানুসু উরগা লাইয়াম পুমনমক, তাইবং মী, হিংচাবা, যক্ষরক্ষ পুমনমকনা লৌনীংবনা লাংতকনৈ ॥৪৭॥ শীংদা য়াংদা ফজবী কন্যা অদুনা পোকপা

সুরকার্য্যমিয়ং কালে করিষ্যতি সুমধ্যমা। অস্যা হেতোঃ কৌরবাণাং মহদুৎপৎস্যতে ভয়ম্ ॥৪৯॥
তৎ শ্রুত্বা সর্ব্বপাঞ্চালাঃ প্রণেদুঃ সিংহসংঘবৎ। ন চৈতান্ হর্ষসম্পূর্ণানিয়ং সেহে বসুন্ধরা ॥৫০॥
তৌ দৃষ্ট্বা পার্ষতী যাজং প্রপেদে বৈ সুতার্থিনী। ন বৈ মদন্যাং জননীং জানীয়াতামিমাবিতি ॥৫১॥
তথেত্যুবাচ তাং যাজো রাজ্ঞঃ প্রিয়চিকীর্ষয়া। তয়োশ্চ নামনী চক্রুর্দ্বিজাঃ সম্পূর্ণমানসাঃ ॥৫২॥
ধৃষ্টত্বাদতিধৃষ্টাচ্চ ধর্ম্মাদ দ্যুম্নতরাদপি। ধৃষ্টদ্যুম্নঃ কুমারোঽয়ং দ্রুপদস্য ভবত্বিতি ॥৫৩॥
কৃষ্ণেত্যেবাব্রুবন্ কৃষ্ণাং কৃষ্ণাভূৎ সা হি বর্ণতঃ। তথা তন্মিথুনং জজ্ঞে দ্রুপদস্য মহামখে ॥৫৪॥
ধৃষ্টদ্যুম্নন্তু পাঞ্চাল্যমানীয় স্বং নিবেশনম্। উপাকারোদস্ত্রহেতোর্ভারদ্বাজঃ প্রতাপবান্ ॥ ৫৫ ॥
অমোক্ষণীয়ং দৈবং হি ভাবি মত্বা মহামতিঃ। তথা তৎ কৃতবান্ দ্রোণ আত্মকীর্ত্ত্যনুরক্ষণাৎ ॥৫৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
চৈত্ররথে দ্রৌপদীসম্ভবো নাম ষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(0)—

মতমদস্তু অসুম হায়না আকাশবানী তৌখি। "কন্যা অসিগী মমিংদি "কৃষ্ণা" হায়না কৌবনি। মুপী ময়ক্তগী অথোইবীনি, ফত্রবা ক্ষত্রিয়শিংগী মাংননবগী মক ওইরগনি ॥৪৮॥

"নীংথিবী ফজবী অসিনা লাইগী থবক্ত তৌরগনি, মহাকথক্তগী কুকশাগৈগী চিংনবা অকিবা লাক্বনি,, ॥৪৯॥ অকাশ বাণী অসি তাবদা পাঞ্চাল পুমনমক নোংশাগী খোল্লাও লাওনখি, মতম অদুদা পৃথিবী মাতামক্না সুংঙাইবনা থনলবা পঞ্চালগী মী পুমনমকপু পুব ঙমদবগুম তৌখি ॥৫০॥ অসোমদা দ্রুপদ নিংথৌগী মহারাণীনা মচা নিপা মুপী অনিবু উবদা মবুক্তগী তাবা মচামক ওইহঞ্জনিংবনা যজ্ঞ তৌরিবা ব্রাহ্মণ যাজগী মক দা হায়রকই "ব্রাহ্মণা ইচা অনিসিনা এঈবু নত্তনা কনাগুম্বী অমবু মমানি হায়না নীংহননবিগনু খংহনবিগনু" ॥৫১॥ যাজ কৌবা ব্রাহ্মণনা নিংথৌ পোল্লনবা হরাওনবগীদমক্তা মহারাণীগী মফমদা মাদুমক ওইরসনু অসুমনা হায়খি। অদুগী তুংদা, মপুকনিং খুংলবা ব্রাহ্মণশিংনা মথোয় অনিগী মমিং থোল্লকই ॥৫২॥ বাংঙাং খেন্দা লেঙ্বা লুম্বদগী, কনা অমত্তম থৌওইদবা মশক ওইবনা অদুগা মমল য়াম্লবা লালগী ফুরিৎ কুণ্ডলনাইনগা লোয়ননা পোকলকপনা, মহারাজ দ্রুপদগী মচাইবুতো অসে "ধৃষ্টদ্যুম্ন" হায়না খোল্লসি" ॥৫৩॥ "অদুগা আকাশবাণী মক্তস্তু শংবাম্লবী অসিবু কৃষ্ণা হায়না খোনখরে, কুচুমকস্তু মুরং তৌবী, শংবাম্লবীনি, অদুনা কন্যা অসিগী মমিংদি "কৃষ্ণা" অসুম্মক ওইরসনু। মতৌ অসুমনা দ্রুপদগী "ধৃষ্টদ্যুম্ন" কৌবা অমসুং "কৃষ্ণা" হায়বী মচানুপী অনী পোকখি ॥৫৪॥ অদুগী তুংদা থৃকল-পাঙ্গল্লবা ভরদ্বাজগী মচা দ্রোণাচার্য্যনা দ্রুপদগী মচা ধৃষ্টদ্যুম্ন অসিবু ময়ুমদা পুরক্তুনা খুৎলাই তম্বিদুনা মহাক্কী য়ামনা কান্নবা তৌখি ॥৫৫॥ মরমদি ককথৎপা য়াদ্রবা মত্তায়বক্তা তমখ্রবা হায়বদুনা শোয়দনা মাসি খোক্লগদবনি হায়বদু থন্দুনা দ্রোণনা মহাক্কী মিংচৎপু তেক্ত কায়দনা লৈহৌননবগীদমক অসুম হায়নামক মশানা তৌখিবনি ॥৫৬॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা
চৈত্ররথদা "দ্রৌপদী পোকপা" কৌবা চামগা হুক, শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম্

(পাণ্ডবশিংনা পাঞ্চালদা চত্রাগী মতাং)

(চামা হুমফুমাথোইশুবা অধ্যায়)

—:(†):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এতচ্ছ্রুত্বা তু কৌন্তেয়াঃ শল্যবিদ্ধা ইবাভবন্। সর্ব্বে চাস্বস্থমনসো বভূবুস্তে মহাবলাঃ ॥১॥
ততঃ কুন্তী সুতান্ দৃষ্ট্বা সর্ব্বাংস্তদ্গতচেতসঃ। যুধিষ্ঠিরমুবাচেদং বচনং সত্যবাদিনী ॥২॥

কুন্ত্যুবাচ।

চিররাত্রোষিতাঃ স্মেহ ব্রাহ্মণস্য নিবেশনে। রমমাণাঃ পুরে রম্যে লব্ধভৈক্ষা মহাত্মনঃ ॥৩॥
যানীহ রমণীয়ানি বনান্যুপবনানি চ। সর্ব্বাণি তানি দৃষ্টানি পুনঃ পুনররিন্দম! ॥৪॥
পুনর্দৃষ্টং হি তানীহ প্রীণয়ন্তি ন নস্তথা। ভৈক্ষ্যঞ্চ ন তথা বীর! লভ্যতে কুরুনন্দন! ॥৫॥
তে বয়ং সাধু পঞ্চালান্ গচ্ছামো যদি মন্যসে। অপূর্ব্বদর্শনং বীর! রমণীয়ং ভবিষ্যতি ॥৬॥
সুভিক্ষাশ্চৈব পাঞ্চালাঃ শ্রূয়ন্তে শত্রুকর্ষণ!। যজ্ঞসেনশ্চ রাজাসৌ ব্রহ্মণ্য ইতি শুশ্রুম ॥৭॥
একত্র চিরবাসশ্চ ক্ষমো ন চ মতো মম। তে তত্র সাধু গচ্ছামো যদি ত্বং পুত্র! মন্যসে ॥৮॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

ভবত্যা যন্মতং কার্য্যং তদস্মাকং পরং হিতম্। অনুজাংস্তু ন জানামি গচ্ছেয়ুর্নেতি বা পুনঃ ॥৯॥

বৈশম্পায়ননা হায়— ব্রাহ্মণগী মচীন্দগী অসিগুম্বা য়ারী অসি তাবদা মপাঙ্গল কল্লবা পাণ্ডবশিং অম্ব থম্মোয়দা তাশোন্ন থিনবগুমখ্রে, সুংঙাইতবনা লৈকম থংখিদ্রে ॥১॥ অদুগী তুংদা, অচুম্বত্ত ভাংলবী কুন্তীনা মচাশিংনা মাসিগী মরমদা য়াম্না খন্নরকপা অমদি য়ানরকপন্থ উবদা মচা যুধিষ্ঠীরদা হায়রকই ॥২॥ কুন্তীনা হায়— ইবুঙো! যুধিষ্ঠীর! ঐখোয়না নীংথিজরনা নগর অসিদা সুংঙাইনা কোয়দুনা ভিক্ষা নিদুনা চাদুনা ব্রাহ্মণ অসিগী ময়মদা মতম কুইনা লৈরক্রেদো ॥৩॥ নগর অসিদা লৈরিবা বন উপবন লৈরিবা পুম্বা হৌদিং থুদিংগী য়েংদুনা উহনা ওাক্ত লৈরে ॥৪॥ অদুদা মাসিদা অদুম য়েংহনা উহনা লৈরবদি হান্না লম অসিদা ঐখোয়দা সুংঙাইবা পীবা অদুগুম্না হৌজিক্তি অপেনবা সুংঙাইবা পীবা ভমদ্রে, অদুগা নিমহদুনা ভিক্ষাস্থ হান্নগী মতৌগুম্না অদুক য়াম্না কংহক্তে ॥৫॥ মরম অদুনা নখোয়গী য়াথন্দা থোইদোম্না অকায়বা লৈত্রবা অদুগা অমদা অমুক চৎনীংলবদি চৎলসি, পাঞ্চাল দেশ হায়রিবা অসিদা চৎলুসি, মফম অদুনা য়াম্না নীংথিবা অনৌ অনৌবা পোৎ উবগনি য়াই ॥৬॥ যুধিষ্ঠির! ঐনা অদুম তাবনু, পাঞ্চাল দেশ হায়বা অদুদা ভিক্ষা অসি য়ামনা লায়ন থোংন ফংঙি হায়, দ্রুপদ নিংথৌ অসি ব্রাহ্মণগী মফমদা য়াথম্না কাম্নবা তৌবা মীনি হায়নম্ন তায় ॥৭॥ অদিদি লায়রবনা মফম অমতদা অদুম কুইনা লৈবদু য়াম্ভে, চুমদে। অদুনা নখোয়নবু পান্নবদি ইমাদি কন্নিম্ন হায়সে, মফম অদুদা চৎলসি ॥৮॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়— ইমা! ইমানা তৌনীংব থবক অদুদনা ঐখোয়গী মঙলনি, কান্নবনি। অদুবু ইনাওশিং অসিনবু য়াগদনা য়ারোইদ্রা অদুদবু খংদ্রি ॥৯॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ কুন্তী ভীমসেনমর্জ্জুনং যমজৌ তথা। উবাচ গম্যতাং তে চ তথেত্যবাক্রুবংস্তদা ॥১০॥

তত আমন্ত্র্য তং বিপ্রং কুন্তী রাজন্! সুতৈঃ সহ। প্রতস্থে নগরীং রম্যাং দ্রুপদস্য মহাত্মনঃ ॥১১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
চৈত্ররথে পাঞ্চালযাত্রা নাম একষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(*):—

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অতুগী তুংদ, কুন্তীনা ভীম, অর্জ্জুন, নকুল সহদেব মচা মরিদমু পাঞ্চাল দেশ চৎননবা য়া অসি হায়খি। মখোয়সু "করে ইসা" অসুম হায়না খুমখি ॥১০॥ মহারাজ! অসিগী তুংদ কুন্তীনা মচাশিংগা লোয়ননা য়ুম্ব ব্রাহ্মণ অতুদগী য়াথং লৌরগা, পুকচেল চাওরবা নিংথৌ দ্রুপদগী কোনুং তাম চৎকদবগী খৌরাং তৌরকলে ॥১১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেখা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা চৈত্ররথদা পাঞ্চালযাত্রা কৌবা চামগা হুম্ফু মাথোই শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

(দ্রৌপদীগী নহালমুক্কী মপোক)

(চামা হুম্ফু নিথোই শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততস্তেষু প্রয়াতেষু পাণ্ডবেষু মহাত্মসু। আজগামাথ তান্ দ্রষ্টুং ব্যাসঃ সত্যবতীসুতঃ ॥১॥

তমাগতমভিপ্রেক্ষ্য প্রত্যুদ্গম্য পরন্তপাঃ। প্রণিপত্যাভিবাদ্যৈনং তস্থুঃ প্রাঞ্জলয়স্তদা ॥২॥

সমনুজ্ঞাপ্য তান্ সর্বানাসীনান্ মুনিরব্রবীৎ। প্রসন্নঃ পূজিতঃ পার্থৈঃ প্রীতিপূর্ব্বমিদং বচঃ ॥৩॥

অয়ি! ধর্ম্মেণ বর্ত্তধ্বং শাস্ত্রেণ চ পরন্তপাঃ। অয়ি! বিপ্রেষু বঃ পূজা নঃ পূজার্হেষু ন হীয়তে ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি:—পুকচেল চাওরবা পাণ্ডবশিংনা ব্রাহ্মণগী য়ুমদগী অমুক লোমা খুমনা লৌখিদ্রিবা সত্যবতীগী মচা ব্যাসনা মখোয়গী উনগে লাকখি ॥১॥ শ্রীব্যাস লেন্নকপা উবদা পাণ্ডবশিংনা থোংজুনা লেপ্লগা মকোক কৈথোক তানা খুমনগা, খুৎ শেম্বদুনা ব্যাসকী মমাংদা চপ লেপ্লুনা লৈখি ॥২॥ মতম অদুদা ভগবান ব্যাস মখোয়না পাণ্ডবশিংবু ফমু, ফমু, হায়দুনা তাবর পীরগা মখোয় পুম্নমক ফম্মে; মতুংদা মখোয়না মখোয়শিংদা থৌজিনা পূজা অমদি সেবা তৌখিবদা অদুনা পোকপগা নুংঙাইরগা ॥৩॥ উদুগা—"নখোয় পুম্নমক ধর্মশাস্ত্রগী মতুংইন্না হিংলিবরা?

অথ ধর্ম্মার্থবদ্বাক্যমুক্ত্বা স ভগবানৃষিঃ। বিচিত্রাশ্চ কথাস্তাস্তাঃ পুনরেবেদমব্রবীৎ ॥৫॥
আসীত্তপোবনে কাচিদৃষেঃ কন্যা মহাত্মনঃ। বিলগ্নমধ্যা সুশ্রোণী সুভ্রূঃ সর্ব্বগুণান্বিতা ॥৬।
কর্ম্মভিঃ স্বকৃতৈঃ সা তু দুর্ভগা সমপদ্যত। নাধ্যগচ্ছৎ পতিং সা তু কন্যা রূপবতী সতী। ৭॥
তপস্তপ্তুমথারেভে পত্যর্থমসুখা ততঃ। তোষয়ামাস তপসা সা কিলোগ্রেণ শঙ্করম্॥৮॥
তস্যাঃ স ভগবাংস্তুষ্টস্তামুবাচ যশস্বিনীম্। বরং বরয় ভদ্রং তে বরদোঽস্মীতি শঙ্করঃ ॥৯॥
অথেশ্বরমুবাচেদমাত্মনঃ সা বচো হিতম্। পতিং সর্ব্বগুণোপেতমিচ্ছামীতি পুনঃ পুনঃ ॥১০॥
তামথ প্রত্যুবাচেদমীশানো বদতাং বরঃ। পঞ্চ তে পতয়ো ভদ্রে! ভবিষ্যন্তীতি ভারতাঃ ॥১১॥
এবমুক্তা ততঃ কন্যা দেবং বরদমব্রবীৎ। একমিচ্ছাম্যহং দেব! ত্বৎপ্রসাদাৎ পতিং প্রভো! ॥১২॥
পুনরেবাব্রবীদ্দেব ইদং বচনমুত্তমম্। পঞ্চকৃত্বস্ত্বয়া হ্যুক্তঃ পতিং দেহীত্যহং পুনঃ।
দেহমন্যং গতায়াস্তে যথোক্তং তদ্ভবিষ্যতি ॥১৩॥
দ্রুপদস্য কুলে জজ্ঞে সা কন্যা দেবরূপিণী। নির্দ্দিষ্টা ভবতাং পত্নী কৃষ্ণা পার্ষত্যনিন্দিতা ॥১৪॥
পাঞ্চালনগরে তস্মান্নিবসধ্বং মহাবলাঃ!। সুখিনস্তামনুপ্রাপ্য ভবিষ্যথ ন সংশয়ঃ ॥১৫॥

পুজা তৌফম থোক্লবা ব্রাহ্মণশিংগী পুজা সেবা কায়দনা তৌরিদনকো? ॥৪॥ অদুগী তুংদা ব্যাসনা ধর্ম্ম থোকপা অমদি প্রমাণ চাবা ৱাহৈনা ৱা অমনি হায়রগা অহক অঙকপা মুংঙাইবা ৱারী মথং মথং লীখি ॥৫॥ "মমাংঙৈদা তপোবন অমদা মহর্ষি অমগী মচানুপী কন্যা অম লৈরম্মি, মহাক্কী মখৱাং অহ ককচেংগী মথৱাংগুমনা য়ামনা চেংঙি। তীংদা য়াংদা নীংথৌবা য়ামনা ফজে, মুপী ওইবগী গুণ পুমনমক তিল্লি ॥৬॥ অহবু মহাক অসি মানা তৌজররকপা কর্ম্মগী মহৈনা মরাম্নবক যামনা থী। মরমদি অহক ফজরবদা মপুরোয়বা অমতদি মফংদে।৭॥ অদুগী তুংদা থোইনা ৱারবী কন্যা অসি মপুরোয়বা ফংননবগীদমক লাইন্নীংবা হৌখি। মহাক অকিবা কংনা তৌরকপা তপস্যানা মহাদেববু পেলহনখি ॥৮॥ কন্যা অহনা তৌরিবা তপস্যা অদুনা পেনখ্রুনা মহাদেবনা লাক্লুনা হাযখি—"ঐ নঙোন্দা বর পীগনি। অহনা নংনা হেক পাম্বা বর অহ হায়ু মুপীমচা ॥৯॥ অহগী তুংদা 'গুণ পুমনমকনা তিল্লবা ইপু রোয়বা ফংজগে" হায়বা ৱাহৈ অসি হন্ন-হন্না মঙারক হায়দুনা মুপীমচা অদুনা মহাদেবগী মফমদা বর নিখি ॥১০॥ মতম অদুনা মহাদেবনা হায়রকই—"ইবেম্মা! ভরত শাগেগী অথোইবা নপুরোয়বা মঙা ফংবা তারে" ॥১১॥ মহাদেবনা অহুম হায়রবদা বরপীবিরিবা মহাদেবদা মুপীমচা অদুনা হায়রকই—ইবুঙো! হে মহাদেব! প্রভু! নংগী থৌজান্দগী ইপুরোয়বা অমতা ফংজগে ॥১২॥ মতম অদুদা মহাদেবনা থাংগৈ লেংবা অচুম্বা ৱা অসি হায়খি—"নংনা ঐঙোন্দা ইপুরোইবা পীয়ু হায়বসি মঙারক হায়খি। মরম অদুনা হয়েংমুক্কী মপোক্তা নং অসি নপুরোইবা মঙা শুগনি ॥১৩॥ হৌজিক হায়খিব্রা কন্যা অসি দ্রুপদগী বংশদা পোক্লরেদো। অদুনা পৃষতকী মচানুপী অম্বাৎপ লৈতনা কজবী কৃষ্ণা কৌবী কন্যা অসিবু মহাদেবনা নখোয় মঙাগী লোয়নবী ওইনবা হায় শীনখ্রুকনি ॥১৪॥ মরম অদুনা অকনবশা! নখোয়না পাঞ্চাল নগরদা চংখিল্লুনা লৈরুরো। মতুংদা রাজকন্যা অদুবু লৌরগা নখোয় মুঙাইগনি, মসিদা

এবমুক্‌ত্বা মহাভাগঃ পাণ্ডবান্ স পিতামহঃ। পার্থানামন্ত্র্য কুন্তীঞ্চ প্রাতিষ্ঠত মহাতপাঃ ॥১৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি চৈত্ররথে

দ্রৌপদীজন্মান্তরকথনং নাম দ্বিনষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——o:(•):o——

থক চিংনগনু ॥১৫॥ পাণ্ডবশিংদা অসুম হায়রম্মগা মবুধৌ তপস্যা কল্লবা ব্যাস অসি মখোয় ময়ামদগী বিদায় লৌরগা মফম অহুদগী চৎখে. ॥১৬॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা চৈত্ররথদা দ্রৌপদীগী নহালমুকী মপোকী ৱরী কৌবা চামগা হুমফুনিথোক্ত শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——.(o):——

শ্রীমহাভারতম্

("গন্ধর্ব্বপরাভব"গী ৱারী)

(চামা হুম্ফু হুমদোই শুবা অধ্যায়)

——:(o):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

গতে ভগবতি ব্যাসে পাণ্ডবা হৃষ্টমানসাঃ। আমন্ত্র্য ব্রাহ্মণং পূর্বমভিবাদ্যাভিমান্য চ ॥১॥
তে প্রতস্থুঃ পুরস্কৃত্য মাতরং পুরুষর্ষভাঃ। সমৈরুদঙ্মুখৈর্মার্গৈর্যথোদ্দিষ্টং পরন্তপাঃ ॥ ২ ॥
তে ত্বগচ্ছন্নহোরাত্রাত্তীর্থং সোমাশ্রয়ায়ণম্। আসেদুঃ পুরুষব্যাঘ্রা গঙ্গায়াং পাণ্ডুনন্দনাঃ ॥৩॥
উল্মুকন্তু সমুদ্যম্য তেষামগ্রে ধনঞ্জয়ঃ। প্রকাশার্থং যযৌ তত্র রক্ষার্থঞ্চ মহারথঃ ॥৪॥
তত্র গঙ্গাজলে রম্যে বিবিক্তে ক্রীড়য়ন্ স্ত্রিয়ঃ। ঈর্ষ্যুর্গন্ধর্ব্বরাজো বৈ জলক্রীড়ামুপাগতঃ ॥৫॥
শব্দং তেষাং স শুশ্রাব নদীং সমুপসর্পতাম্। তেন শব্দেন চাবিষ্টশ্চুক্রোধ বলবদ্বলী ॥৬॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— বেদব্যাসনা চৎখ্রবা তুংদ, মীথোই মীহেল্লবা, য়েক্লবশিংবু নমহৎপা ভগ্রবা পাণ্ডবশিংনা য়ামনা মথৱাই সুংঙাইনা মুম্ম ব্রাহ্মণ অহবু নীংথিনা নোম্লক্লা খুরুম্নমতুনা তরাম তরামনা ব্যবহার তৌদুনা বিদায় লৌরগা মমা কুন্তীনা মাংথাদুনা অৱাং পাংনা অচুম্বা সুংঙাইবা লম্বীদা পাঞ্চাল দেশ রোমদা যাত্রা তৌরকলে ॥১—২॥ মীথোই মীহেনবা পাণ্ডবশিং অতুনা অহিং অম সুংথিল অম লেল্লবা তুংদা সোমাশ্রয়ায়ণ কৌবা তীর্থদা থুংখি; অতুদগী গঙ্গাগী মপান্দ থুংখি ॥৩॥ মহারথী ওইরবা অর্জ্জুননা লম্বী য়েংগে হায়দুনা অমসুং মশা কম্নবগী মমক্ত মৈহুম অচাকপা পায়দুনা থৱাইগী মাং থার থারদুনা গঙ্গাগী তোরবান্দ অসুম লাকই ॥৪॥ অসোমদা শাওগল্লবা গন্ধর্ব্ব নিংথৌনা মীংথিল্লবা অমদি মীচীক মীরাওখোল তাল্লবা গঙ্গাগী ঈশিং অদুদা নুপীশিংগা লোয়ননা ঈশিংদা শাম্নগে হায়দুনা লাক্লম্মি ॥৫॥ মহাক্লা অসুম গঙ্গারোমদা লাকপদা পাণ্ডবশিংনা লাকপগী মীনীন

স দৃষ্ট্বা পাণ্ডবাংস্তত্র মাত্রা সহ পরন্তপান্ । বিস্ফারয়ন্ ধনুর্ঘোরমিদং বচনমব্রবীৎ ॥৭॥
সন্ধ্যা সংরজ্যতে ঘোরা পূর্ব্বরাত্রাগমেষু যা । অশীতিভির্লবৈর্হীনং তন্মুহূর্ত্তং প্রচক্ষতে ॥৮॥
বিহিতং কামচারাণাং যক্ষগন্ধর্ব্বরক্ষসাম্ । শেষমন্যমনুষ্যাণাং কামচারেষু বৈ স্মৃতম্ ॥৯॥
লোভাৎ প্রচারং চরতস্তাসু বেলাসু বৈ নরান্ । উপক্রান্তান্ নিগৃহ্নীমো রাক্ষসৈঃ সহ বালিশান্ ॥১০॥
অতো রাত্রৌ প্রাপ্নুবতো জলং ব্রহ্মবিদো জনাঃ । গর্হয়ন্তি নরান্ সর্ব্বান্ বলস্থান্ নৃপতীনপি ॥১১॥
আরাত্তিষ্ঠত মা মহ্যং সমীপমুপসর্পত । কস্মান্মাং নাভিজানীত প্রাপ্তং ভাগীরথীজলম্ ॥১২॥
অঙ্গারপর্ণং গন্ধর্ব্বং বিত্ত মাং স্ববলাশ্রয়ম্ । অহং হি মানী চের্ষুশ্চ কুবেরস্য প্রিয়ঃ সখা ॥১৩॥
অঙ্গারপর্ণমিত্যেবং খ্যাতঞ্চেদং বনং মম । অনুগঙ্গং চরন্ কামাংশ্চিত্রং যত্র রমাম্যহম্ ॥১৪॥
ন কৌণপাঃ শৃঙ্গিণো বা ন দেবান চ মানুষাঃ । ইদং সমুপসর্পন্তি তৎ কিং সমুপসর্পথ ॥১৫॥

অর্জ্জুন উবাচ ।

সমুদ্রে হিমবৎপার্শ্বে নদ্যামস্যাঞ্চ দুর্ম্মতে । রাত্রাবহনি সন্ধ্যায়াং কস্য গুপ্তঃ পরিগ্রহঃ ॥১৬॥

অমসুং খোঙ্গেল অহু তারম্মি । খোঙ্গেল মীনীন অহু তাবদা গন্ধর্ব্ব নিংথৌ অসি য়ামনা শাওই ॥৬॥ অদুগী তুংদা মমাগা লোয়ননা লৈরিব পাণ্ডবশিংবু উবদা অকিবগী মশক ফংলবা লীকং অহু লীরি হাপ্তুনা থাংগত্তুনা ব্রা অসি হায়রকই ॥৭॥ অহিংগী অহানবা শরুক্তা লাক্লবদা, অদুগুম্ব সন্ধ্যাগী মতমনা অকিবগী মশক ফংনা ঙাংলবদা, মতম অদুবু মুনিশিংনা মরমচৎ কজদবা মীশিংগী মতমনি হায়রা থ'দোকনৈ, ইস্থোক্লৈ ॥৮॥ মতম অদু অপাম সুংশিগনবা যক্ষ গন্ধর্ব্ব অমসুং হিংচাবশিংগী দমক্তা কক্লুনা থমখ্রবনি, অসিদগী লেমহৌবা মতমদা তাইবং মীগী মনীংতমনা চৎনবা শাম্নবগী মতমনি ॥৯॥ হায়রিবা মতম অসিদা তাইবং মীশিংনা করিগুম্বা মরম অমদগী চথোকখো-তোক্লবদি ঐখোয় পুমনমক হিংচাবাশিংদুগা তিম্নহনা মখোয়গী মথা পোল্লি ॥১০॥ মরম অদুনা করিগুম্বা মথল অমসুং জাত্রিগী মী পুমনমক করি অমুক হায়কনি লাম্মী তেঙ্গোলনা ইকোয় কোয়শিল্লবা নিংথৌশিং ফাওবা অহিংদা তুরেলগী ঈশিংদা কুমথরক্লবা অমদি লাক্লবদি ব্রহ্ম খংবা মীশিংনা মখোয় অদুবু নিন্দা তৌই ॥১১॥ মরম অদুনা নখোয় পুমনমক লাপ্ন চথোকখ্রো, ঐগী ইনাক্ত লাকনু । ঐ হৌজিক গঙ্গাগী ঈশিংদা ঈকজরি শাম্নরি হাযববসি নখোয়না করিগী খংদ্রি ? । ১২॥ ঐ গন্ধর্বনি, ঐগী মিং অঙ্গারপর্ণ কৌই, অদুগা ঐ অসি ঐগী ইশা ইথন্তগী শক্তিনা চৎনীংবা মফমদা লেপা ঙম্মি হায়বসি নখোয় খংও । অদুগা ঐ অসি মীনা লাকচবা য়াদবা, মীনা হেনখিবা, ইমাংবনা লাকচবা য়াদবা মীশক অমনি অদুগা কুবেরগী মরূপনি খংও ॥১৩॥ অঙ্গারপর্ণ হায়না ফাওখ্রবা বন অসি ঐগীনি, ঐদি অসিগুম্ব মতমদা গঙ্গাগী তোরবান্দা ঈনীংতমনা শাম্নহনা কোয়চৎ চত্তুনা বন অসিদা লৈরিবনি ॥১৪॥ বনাগী লাই, হিংচাবা, মী, শা-উচেক ফাওবা ঐনা শাম্নরিঙৈদা অমদি ঐগী শাম্নবগী মতমসিদা লাকপা চংজকদা ঙমদে ॥১৫॥ অর্জ্জুননা হায়রকই— "নাপল তৌরবা, পুক্চেল ফত্রবা গন্ধর্ব ! সমুদ্রদা, হিমালয়গী মনাক্ত অমদি গঙ্গা পুরেন্দ অহিংদ পুংথিন্দা নত্রগা সন্ধ্যাদা ই শি অদু লৌবা শোকপা কনানা খিংগনি ?

ভুক্তো বাপ্যথবাহভুক্তো রাত্রাবহনি খেচর ! । ন কালনিয়মো হ্যস্তি গঙ্গাং প্রাপ্য সরিদ্বরাম্ ॥১৭॥

বয়ঞ্চ শক্তিসম্পন্না অকালে ত্বামধৃষ্ণুম । অশক্তা হি রণে ক্রূর ! যুষ্মানর্চ্চন্তি মানবাঃ ॥১৮॥

পুরা হিমবতশ্চৈষা হৈমশৃঙ্গাদ্বিনিঃসৃতা । গঙ্গা গত্বা সমুদ্রাম্ভঃ সপ্তধা সমগচ্ছত ॥১৯॥

গঙ্গাঞ্চ যমুনাঞ্চৈব প্লক্ষজাতাং সরস্বতীম্ । রথস্থাং সরযূঞ্চৈব গোমতীং গণ্ডকীং তথা ।

অপর্য্যষিতপাপাস্তে নদীঃ সপ্ত পিবন্তি যে ॥২০॥

ইয়ং ভূত্বা চৈকবপ্রা শুচিরাকাশগা পুনঃ । দেবেষু গঙ্গা গন্ধর্ব ! প্রাপ্নোত্যলকনন্দতাম্ ॥২১॥

তথা পিতৄন্ বৈতরণী দুস্তরা পাপকর্ম্মভিঃ । গঙ্গা ভবতি বৈ প্রাপ্য কৃষ্ণদ্বৈপায়নাহব্রবীৎ ॥২২॥

অসংবাধা দেবনদী স্বর্গসম্পাদনী শুভা । কথমিচ্ছসি তাং রোদ্ধুং নৈব ধর্ম্মঃ সনাতনঃ ॥২৩॥

অনিবার্য্যমসংবাধং তব বাচা কথং বয়ম্ । ন স্পৃশেম যথাকামং পুণ্যং ভাগীরথীজলম ॥২৪॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

অঙ্গারপর্ণস্তচ্ছ্রুত্বা ক্রুদ্ধ আয়ম্য কার্ম্মুকম্ । মুমোচ বাণান্নিশিতানহীনাশীবিষানিব ॥২৫॥

উল্মুকং ভ্রাময়ংস্তূর্ণং পাণ্ডবশ্চর্ম্ম চোত্তমম্ । ব্যপোবাহ শরাংস্তস্য সর্বানেব ধনঞ্জয়ঃ ॥২৬॥

অর্জ্জুন উবাচ ।

বিভীষিকা বৈ গন্ধর্ব ! নাস্ত্রজ্ঞেষু প্রযুজ্যতে । অস্ত্রজ্ঞেষু প্রযুক্তেয়ং ফেনবৎ প্রবিলীয়তে ॥২৭॥

॥১৬॥ গন্ধর্ব ! অহিং ওইগে ওইসহ হুংখিল ওইগে ওইসমু থকখ্রবা থক্তিব্রা, চাখ্রবা-চাদ্রিবা, মওং অমদা নত্রগা অমদা লৈরবসু তুরেল পুমনমক্কী অথোইবী গঙ্গাগী ঈশিং শোকপা থকপদা মতমগী নিয়ম লৈতে ॥১৭॥ ঐখোয়দি সংবু হেনবনি, শক্তি লৈবা মী ভাক্তনি, চাত্রবা মতম অসিদা ঐথোয়না মহাকপু নিন্দা তৌরি ; লান্দা মায়থীরবা পাংত্রবা মীশিংনা নহাকপু পূজা তৌনৈ ॥১৮॥ মমাংঙৈদা গঙ্গা অসিনা হিমালয় চীংদোম্নগী চেন্থরক্লুনা ঈরোং তরেৎ থোক্না সমুদ্রদা তাখি ॥১৯॥ গঙ্গা যমুনা প্লক্ষজাতা, সরস্বতী, সরযূ, গোমতী, গণ্ডকী হায়রিবা তুরেল তরেৎ অসিগী ঈশিংবু থক্লবদি পাপ পুমনমক কোকই ॥২০॥

শেংলবী গাঙ্গা অসিনা আকাশকী লম্বীদা চেনখিড়না দেবলোকতা অলকনন্দা হাযবা মমিং অসি লৌখি ॥২১॥ অমুকসু হায়রিবী শেংলবী গাঙ্গা অসিনা পিতৃলোকতা চৎখ্রগা পাপীশিংনদি লাম্ফোকপদ য়ারবী বৈতরণী হায়বী তুরেল অহ ওইখি, মাসিগী য়ারী পূম্বা অসি বেদব্যাস মণামক্না হায়দুনা লোইখ্রবনি ॥২২॥ মরম অসিনা স্বর্গ অমদি মঙ্গল পুমনমক পীনহৈরবী গাঙ্গাদা, মাগী ঈশিংবু শিজিনবা কনা অমত্তা অপনবা ওইবা অমদি পীবা য়ারোই, অহগা নংনা থিংলিবসিনা করিগীনো ? নংনা তৌখিবসিদি মমাংঙৈদগী চৎশরকপা ধর্ম্ম নত্তে ॥২৩॥ মাসিদা কনা অমত্তনা থিংবা য়ারোই, শাত্রবসু থিংবা ঙমতে । নংঙনা হায়রগা ঐখোয় করিগী ইনীং ইথা তম্না গঙ্গাগী ঈশিংবু শোবদোরি লোয়দবনো ॥২৪॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি—অঙ্গারপর্ণ কোবা গন্ধর্ব অদু লীরি হাপ্তুনা পায়থত্তুনা মহপুরবা শিলাগী মতৌগুমলবা থোরবা তেল মপে অর্জ্জুন লোম্না কাপশিনক্লে ॥২৫॥ মতম অদুনা অর্জ্জুননা মৈহম অতুনা শাং ওইনা হায়দুনা করবা কমবা চুঙ্গোয় অমগনা মহাকী কাপলকলিবা তেল ময়াম অদু অরেপ্না লাংনখি ॥২৬॥ অতুগী মতুংদা অর্জ্জুননা অঙ্গারপর্ণদা হায়খি—গন্ধর্ব !

মানুষানতিগন্ধর্ব্বান্ সর্ব্বান্ গন্ধর্ব্ব ! লক্ষয়। তস্মাদস্ত্রেণ দিব্যেন যোধয়েঽহং ন তু মায়য়া ॥২৮॥
পুরাস্ত্রমিদমাগ্নেয়ং প্রাদাৎ কিল বৃহস্পতিঃ। ভরদ্বাজায় গন্ধর্ব্ব ! গুরুর্মান্যঃ শতক্রতোঃ ॥২৯॥
ভরদ্বাজাদগ্নিবেশ্যো হগ্নিবেশ্যাদ্‌গুরুর্মম। সাধ্বিদং মহ্যমদদদ্‌দ্রোণো ব্রাহ্মণসত্তমঃ ॥৩০॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ইত্যুক্ত্বা পাণ্ডবঃ ক্রুদ্ধো গন্ধর্ব্বায় মুমোচ হ। প্রদীপ্তমস্ত্রমাগ্নেয়ং দদাহাস্য রথন্তু তৎ ॥৩১॥
বিরথং বিপ্লুতং তন্তু স গন্ধর্ব্বং মহাবলম্। অস্ত্রতেজঃপ্রমূঢ়ঞ্চ প্রপতন্তমবাঙ্মুখম্ ॥৩২॥
শিরোরুহেষু জগ্রাহ মাল্যবৎসু ধনঞ্জয়ঃ। ভ্রাতৄন্ প্রতি চকর্ষাথ সোঽস্ত্রপাতাদচেতসম্ ॥৩৩॥
যুধিষ্ঠিরং তস্য ভার্য্যা প্রপেদে শরণার্থিনী। নাম্না কুম্ভীনসী নাম পতিত্রাণমভীপ্সতী ॥৩৪॥

গন্ধর্ব্ব্যুবাচ।

ত্রায়স্ব মাং মহাভাগ ! পতিঞ্চেমং বিমুঞ্চ মে। গন্ধর্ব্বীং শরণং প্রাপ্তাং নাম্না কুম্ভীনসীং প্রভো ! ॥৩৫॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

যুদ্ধে জিতং যশোহীনং স্ত্রীনাথমপরাক্রমম্। কো নিহন্যাদ্রিপুং তাত ! মুঞ্চেমং রিপুসূদন ! ॥৩৬॥

অর্জ্জুন উবাচ।

জীবিতং প্রতিপদ্যস্ব গচ্ছ গন্ধর্ব্ব ! মা শুচঃ। প্রদিশত্যভয়ং তেঽদ্য কুরুরাজো যুধিষ্ঠিরঃ ॥৩৭॥

থুংলায হৈব-থংবশিংগী মফমদা নখোয়গী মীবু ক্ষিহনবসি করিমতা কান্নরোই, মরমদি থুংলায় হৈব-শিংগী মফমদা অকিবা উৎপা হাযবসিদি ঈথক্তা তাওবা কোঙ্গোলগুম্না থুদক্তা মাংবনি ॥২৭॥ অদুবু গন্ধর্ব ! গন্ধর্ব হায়বসিমক্তবু মীদগী হেন্না কনবা ঙাক্তা ওইনা ঐন উই, অদুনা নংগা ঐগা স্বগী থুংলায়না শোকনবা তারে, মাযা তৌবা লালনদি খক য়ারোই ॥২৮॥ গন্ধর্ব ! দেব-রাজ ইন্দ্রগী গুরু বৃহস্পতিনা মমাংঙৈদা মৈগী তেল অসে মহর্ষি ভরদ্বাজদা পীখিবনি ॥২৯॥ ভরদ্বাজদগী অগ্নিবেশ্যদা, অগ্নিবেশ্যদগী ঐগী গুরুদেব দ্রোনাচার্য্যনা তেল অসি ঐঙোন্দা পীবিখিবনি ॥৩০॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—অর্জ্জুননা ব্রা অসি হায়রগা শাওরদুনা মৈরী শোকনা ক্ ক্ চাক্তুনা লৈরিবা মৈগী তেল অদু গন্ধর্ব রোমদাথাজিলক্রে। থুংলাই অসিনা গন্ধর্বগী রথ উৎ ওইনা চাকথোকখরে ॥৩১॥ অদুগী তুদা মতিক মগুণ চাওরবা কল্লবা গন্ধর্ব অসি রথ য়াওদনা, তৌকম খংদনা অমদি অগ্নিবাণগী মৈশা অদুনা ব্রারবদা ব্রান্থুনা লৈমায়থক্তা তুখ্রে, মতম অদুদা অর্জ্জুননা চংশিনখিদুনা, মহাক্কী লৈপরেংনা নীংথিরবা মশম মপৈ অদু পাযদুনা থুংলায়না থাবদা জ্ঞান তাস্রবা গন্ধর্ব অদু মচীনমনাওশিংগী মনাক্তা পুরক্দবগী চিংশিল্লকলে ॥৩২—৩৩॥ মতম অদুদা কুম্ভীনসী হায়না কৌবী গন্ধর্বগী নুপী অদুনা মপুরোয়বগী মথম্নাইদবদি কনগে হায়না নীংদুনা যুধিষ্ঠিরগী মফমদা চংজখি ॥৩৪॥ গন্ধর্বনুপী অদুনা হায়খি—অঙম্বা ! পুকচেল চাওববা ! ঐ গন্ধর্ব অসিগী নুপীনি, ঐগী মিং কুম্ভীনসী কোই, নহাক্কী চরন্দ চংজরি মুৎলবা, মপাক্তল লৈত্রবা অদুগা নুপী অদুনা মাগী কনবিবীংডায় লৈত্রবা মীবু কনানা হাৎপা হৌনবগে ? অদুনা অর্জ্জুন ! গন্ধর্ব অসিবু থাদোকপিয়ো ॥৩৬॥ অর্জ্জুননা হায়রকই—গন্ধর্ব ! নখন্না হিংজরো, চক্চখ্রো চৎলু ; শিগনি

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

জিতোঽহং পূর্ব্বকং নাম মুক্ত্বাঙ্গারপর্ণতাম্। ন চ শ্লাঘে বলেনাঙ্গ! ন নাম্না জনসংসদি ॥৩৮॥

সাধ্বিমং লব্ধবাঁল্লাভং যোঽহং দিব্যাস্ত্রধারিণম্। গান্ধর্ব্ব্যা মায়য়েচ্ছামি সংযোজয়িতুমর্জ্জুনম্ ॥৩৯॥

অস্ত্রাগ্নিনা বিচিত্রোঽয়ং দগ্ধো মে রথ উত্তমঃ। সোঽহং চিত্ররথো ভূত্বা নাম্না দগ্ধরথোঽভবম্ ॥৪০॥

সম্ভৃতা চৈব বিদ্যেয়ং তপসেহ ময়া পুরা। নিবেদয়িষ্যে তামস্মৈ প্রাণদায় মহাত্মনে ॥৪১॥

সংস্তম্ভয়িত্বা তরসা জিতং শরণমাগতম্। যো রিপুং যোজয়েৎ প্রাণৈঃ কল্যাণং কিং ন সোঽর্হতি ॥৪২॥

চাক্ষুষী নাম বিদ্যেয়ং যাং সোমায় দদৌ মনুঃ। দদৌ স বিশ্বাবসবে মম বিশ্বাবসুর্দদৌ ॥৪৩॥

সেয়ং কাপুরুষপ্রাপ্তা গুরুদত্তা প্রণশ্যতি। আগমোঽস্যা ময়া প্রোক্তো বীর্য্যং প্রতিনিবোধ মে ॥৪৪॥

যচ্চক্ষুষা দ্রষ্টুমিচ্ছেৎ ত্রিষু লোকেষু কিঞ্চন। তৎ পশ্যেদ্যাদৃশঞ্চেচ্ছেত্তাদৃশং দ্রষ্টুমর্হতি ॥৪৫॥

একপাদেন ষণ্মাসান্ স্থিতো বিদ্যাং লভেদিমাম্। অনুনেষ্যাম্যহং বিদ্যাং স্বয়ং তুভ্যং ব্রতেঽকৃতে ॥৪৬॥

বিদ্যয়া হ্যনয়া রাজন্! বয়ং নৃভ্যো বিশেষিতাঃ। অবিশিষ্টাশ্চ দেবানামনুভাবপ্রদর্শিনঃ ॥৪৭॥

গন্ধর্ব্বজানামশ্বানামহং পুরুষসত্তম!। ভ্রাতৃভ্যস্তব তুভ্যঞ্চ পৃথগ্ দাতা শতং শতম্ ॥৪৮॥

হায়বগী খক ব্রাকরনু! কুরুনিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা নহাকপু অকি অংঃদগী কোকহল্লবনি, করবিবরনি ॥৩৭॥ গন্ধর্বনা হাররকই—ঐ মাযথীবা ফংজবে। অহনা হান্নগী মিং অঙ্গারপর্ণ হাযবত্ত ঙসি মখৈ থাদোকচরে। ঙসিদগী সমাজদা পাংগলগী মিংগী নাপল তৌজবরোয ॥৩৮॥

ঙসি ঐনা লাইগী খুৎলায় পায়রবা অর্জ্জুনবু গন্ধর্বগী মাযাগা থেংনহনবগনি হাযনা খল্লুরিবসিমক ঐগী য়াম্না কান্নবা অতোংব অম ওইরে ॥৩৯। অর্জ্জুনগী মৈগী তেম্না ঐগী চাওরবা রথবু চাকথেক্নুনা উকুল ওইহল্লে, অতুনা ঐ অসি রথ চাকথুবা মীশক অম ওইরবনিনা ঐগী মিং ঙসিদগী "চিত্ররথ" অন্থুম হায়না কৌনরুনি ॥৪০॥ মমাংঙৈদা ঐনা তপস্যা তৌদুনা বিদ্যা অসি ফংখি। বিদ্যা অদু ঙসি ঐনা ইথব্রাই কনখিরবা অর্জ্জুনগী মফমদা বচ্চরগনি ॥৪১॥ মশা মথন্তগী শক্তিনা জয় তৌদুনা য়েক্লববু শুস্নাৎলগা, মহাক্কী মথব্রাইবু অমুকসু কনবিবা ওন্নবা অদুগুম্বা অর্জ্জুননা মঙ্গলগী মশক করম্বা পোশক অম ফংব য়াবোই? ॥৪২॥ বিদ্যা অসিগী মমিং "চাক্ষুষী বিদ্যা" কৌই। মাসি মনুনা চন্দ্রদা পীখি, অদুগী তুংদা চন্দ্রনা বিশ্বাবসুদা পীখি, অদুগী তুংদা অমুক বিশ্বাবসুনা ঐত্তোন্দা পীবিখিবনি ॥৪৩॥ গুরুনা শিন্নবম্ব বিদ্যা অসি পাংদবা মীগী মফমদা চংগ্রবদি করিমত্তা কান্নরোই। বিদ্যা অসি করম হায়না ফংলকপগে হায়বদুদি লৌজনে, হৌজিক অমুক বিদ্যা অসিগী মগুণ মানা তৌবা ওম্ব শক্তিসু তাবিয়ু ॥৪৪॥ মীওইবনা মবোল অহুম অসিদা হেক উনীংলিবা পোৎ পুম্নমক অদু বিদ্যা অসিতনা উবা ফংগনি। উনীং উনীংলিবা মওং মতৌ অমদি মথল মথল লোইনা উবা ঙমগনি ॥৪৫॥ কনাগুম্বা অমনা মখোং নামতনা থা তরুক কেপ্তুনা তপস্যা অদু তৌকপ্রবম্ব ইশামক্কা বিদ্যা অসি অকনবা নত্তোন্দা কথোকচরগে ॥৪৬॥ হে নিংথৌগী মচা, অকনবা! অসিগুম্বা বিদ্যা অসিতনা গন্ধর্ব ঐখোয়মা মীংইবদগী অথেইবা ওইনা লৈবা ঙম্নিবনি, অদুগী দেবতাশিংমক্কা চপমান্নবা ইতিক ইঙ্কণ উংপা ঙম্নিবনি ॥৪৭॥ হে নিপা অকনবা! মীথোই মীহেনবা! ঐনা অকনবা নংগী

দেব! গন্ধর্ব্ববাহাস্তে দিব্যবর্ণা মনোজবাঃ। ক্ষীণাক্ষীণা ভবন্ত্যেতে ন হীয়ন্তে চ রংহসঃ ॥৪৯॥
পুরা কৃতং মহেন্দ্রস্য বজ্রং বৃত্রনিবর্হণম্। দশধা শতধা চৈব তচ্ছীর্ণং বৃত্রমূর্দ্ধনি ॥৫০॥
ততো ভাগীকৃতো দেবৈর্বজ্রভাগ উপাস্যতে। লোকে যশোধনং কিঞ্চিৎ সা বৈ বজ্রতনুঃ স্মৃতা ॥৫১॥
বজ্রপাণির্ব্রাহ্মণঃ স্যাৎ ক্ষত্রং বজ্ররথং স্মৃতম্। বৈশ্যা বৈ দানবজ্রাশ্চ কর্ম্মবজ্রা যবীয়সঃ ॥৫২॥
ক্ষত্রবজ্রস্য ভাগেন অবধ্যা বাজিনঃ স্মৃতাঃ। রথাঙ্গং বড়বা সূতে শূরাশ্চাশ্বেষু যে মতাঃ ॥৫৩॥
কামবর্ণাঃ কামজবাঃ কামতঃ সমুপস্থিতাঃ। ইতি গন্ধর্ব্বজাঃ কামং পূরয়িষ্যন্তি মে হয়াঃ ॥৫৪॥

অর্জ্জুন উবাচ।

যদি প্রীতেন মে দত্তং সংশয়ে জীবিতস্য বা। বিদ্যাধনং শ্রুতং বাপি ন তদ্গন্ধর্ব্ব! রোচয়ে ॥৫৫॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

সংযোগো বৈ প্রীতিকরো মহৎসু প্রতিদৃশ্যতে। জীবিতস্য প্রদানেন প্রীতো বিদ্যাং দদামি তে ॥৫৬॥
ত্বত্তোঽপ্যহং গ্রহীষ্যামি অস্ত্রমাগ্নেয়মুত্তমম্। তথৈব সখ্যং বীভৎসো! চিরায় ভরতর্ষভ! ॥৫৭॥

অর্জ্জুন উবাচ।

ত্বত্তোঽস্ত্রেণ বৃণোম্যশ্বান্ সংযোগঃ শাশ্বতোঽস্তু নৌ। সখে! তদ্ব্রূহি গন্ধর্ব্ব! যুষ্মভ্যো যদ্ভয়ং ভবেৎ ॥৫৮॥

নচীন ননাও থুদিংদা গন্ধবগী সগোল চাম-চাম পীগনি ॥৪৮॥ নিংথৌ মচা অথোইবা! অন্ধর্ব দেশগী সগোল হায়বসি মচু যাম্না ফজে, পুক্লিংগী মতৌগুম্না যাংজি। কাম্ন কাম্নবা মতুংইন্না পীকশিলহনবা চাওথোকহনবা যাই। করিগুম্বা মতমদা য়াংব হনবা লৈত্তে ॥৪৯॥ মমাংঙৈদা বৃত্রাসুর হাৎনবগীদমক বজ্র অস্ত্র শাখিবনি, বজ্র অস্ত্রনা বৃত্রাসুরবগী মকোক্তা থাকবদা মশুং লিশিং অম থোক্না কায়খি ॥৫০॥ অদুদগী হৌনা দেবতাশিংনা বজ্রগী মচেৎ মচেৎশিং অদুবু হৌজিক ফাওবা লুনা নীংথিনা তৌনহনা লাকলি। জগত্তা হেক লৈরিবা অযব পোৎ পুম্নমক বজ্রগী শককমক্তনি ॥৫১॥ ব্রাহ্মণগী মখুৎ বজ্রনি, ক্ষত্রিয়গী রথ বজ্রনি, বৈশ্যগী দান বজ্রনি, শূদ্রগী সেবা ধর্ম্ম বজ্রনি ॥৫২॥ গন্ধর্বগী সগোল অমোমশিং অদুনা পোক্লিবা সগোল অমদি সগোলশিং অদুগী মনুংদা লৈরিবা অকনবশিং পুম্নমক অস্ত্র ক্ষত্রিয়গী বজ্রগী মশক ওইরবা রথগী শকক্লি। অদুনা গন্ধর্ব সগোলশিং অদু তরাই তরাইনা পাক হেক হাৎপা য়াদে ॥৫৩॥ ঐখোয়গী গন্ধর্ব্ব দেশগী সগোল হায়বসি মান মান পুনিংবা শকলোল পুবা ওম্মি, য়াংনিংবা মথৈ য়াংবা ওম্মি, থুংনিংবা মফমদা য়ৌব থুংবা ওম্মি, অদুনা মখোয় অসিনা নখোয় পুম্নমকী পুকনিং থুংহনবা ওমগনি ॥৫৪॥ অর্জ্জুননা হায়খি— গন্ধর্ব্ব! নহাক্না পেনমনখ্রুহনা নত্রগা শিগনি হায়বা চিংনকবদগী ঐঙোন্দা অস্নুক য়াম্বা লম্নুম, মহৈ, অদুগা পাওতাকশিং অসি পীগে হায়বিরি, অদুবু নহাক্না পীরিবা অসিগী লমন শিংবা ওমগনি হায়না উদবনা নহাক্না পীরিবা ময়াম অসে ঐ লৌবা ওম্মোই ॥৫৫॥ গন্ধর্ব্বনা হায়খি— অথোইবা মগুণ লৈব মীগা উনবা ভিন্নবা হায়বসি থোইদোক্না পেন্নবা মুংঙাইননবা মশক্লি, মাদু থাংগৈশেংনা উনরি। অমবু ওইরবস্তু, অমবু ওইরবস্তু নহাক্না ঐগী থম্বাই কনখিরে, অদুনা ঐনা য়াম্না পেনখ্রুহনা চাক্ষুষী বিদ্যা অসি পীক্লিবনি ॥৫৬॥ ভরত শাগেগী অথোইব অর্জ্জুন! ঐহাকসু অকনবা নঙোন্দগী অথোইবা মৈগী ভেন অমদি পুনশিসিমগী লেংব্রবা নংগা মরূপ ওইনবা হায়বদো লৌগদৌরিবনি ॥৫৭॥ অর্জ্জুননা হায়খি— গন্ধর্ব! যরে, ঐ নঙোন্দা

কারণং ব্রূহি গন্ধর্ব্ব! কিং তদ্‌যেন স্ম ধর্ষিতাঃ। যান্তো বেদবিদঃ সর্ব্বে সন্তো রাত্রাবরিন্দমাঃ ॥৫৯॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

অনগ্নয়োঽনাহুতয়ো ন চ বিপ্রপুরস্কৃতাঃ। যূয়ং ততো ধর্ষিতাঃ স্থ ময়া বৈ পাণ্ডুনন্দনাঃ ॥৬০॥

যক্ষরাক্ষসগন্ধর্ব্বাঃ পিশাচোরগদানবাঃ। বিস্তরং কুরুবংশস্য ধীমন্তঃ কথয়ন্তি তে। ৬১॥

নারদপ্রভৃতীনাঞ্চ দেবর্ষীণাং ময়া শ্রুতম্। গুণান্ কথয়তাং বীর! পূর্ব্বেষাং তব ধীমতাম্ ॥৬২॥

স্বয়ঞ্চাপি ময়া দৃষ্টশ্চরতা সাগরাম্বরাম্। ইমাং বসুমতীং কৃৎস্নাং প্রভাবঃ সুকুলস্য তে। ৬৩॥

বেদে ধনুষি চাচার্য্যমভিজানামি তেঽর্জ্জুন! বিপ্রং তং ত্রিষু লোকেষু ভারদ্বাজং যশস্বিনম্ ॥৬৪॥

ধর্ম্মং বায়ুঞ্চ শক্রঞ্চ বিজানাম্যশ্বিনৌ তথা। পাণ্ডুঞ্চ কুরুশার্দ্দুল! ষড়েতান্ কুরুবর্দ্ধনান্।
পিতৄনেতানহং পার্থ! দেবমানুষসত্তমান্ ॥৬৫॥

দিব্যাত্মানো মহাত্মানঃ সর্ব্বশস্ত্রভৃতাং বরাঃ। ভবন্তো ভ্রাতরঃ শূরাঃ সর্ব্বে সুচরিতব্রতাঃ ॥৬৬॥

উত্তমাঞ্চ মনোবুদ্ধিং ভবতাং ভাবিতাত্মনাম্! জানন্নপি চ বঃ পার্থ! কৃতবানিহ ধর্ষণাম্ ॥৬৭॥

ঐগী মৈগী থৃংলাই অসি পীরগা নংগী সগোল অম্ব লৌগে, ঐগা নংগা ঐখোয় অনিগী মরক্তা লেংরবা মরূপ ওইব হাযবষ্ট নৈখ্রসনু। অহুদা মরূপ! নখোয গন্ধর্ব্ব যক্ষ-রক্ষ হায়বা জাৎ অসি মীওইবনা অস্তুপ কিরিবসিগী মরম করিনো? ।'৫৮॥

গন্ধর্ব্ব! ঐখোয় পুমনমক বেদ খংলবা হৈরবা মক্তনি, অন্তগা য়েকনবা পুম্বা ভ্রমলবা মক্তনি অতুবু অহিংদা চৎপসিদা নখোয় গন্ধর্ব্ব হেক্তা ওকনবা অমদি অকি অখংবা পোকলিবসিগী মরম করিনো হায়ু ।৫৯॥ গন্ধর্ব্বনা হায—পাণ্ডব পুমনমক! তাবিয়ু, বেদদি খংলে হৈরে হায়রবু যজ্ঞগী কুণ্ডদা হোম তৌত্রি, ব্রাহ্মণ অমনা মাং থাদুনা খক চত্রি, অহুনা যক্ষ, রক্ষ, গন্ধর্ব্ব ঐখোয়গা থেংনরিবনি ॥৬০॥ মরূপ! অশিংবা যক্ষ, রক্ষ, গন্ধর্ব্ব, হিংচা য়াইতম্বা, অচৌবা অকিবা লিল কয়ানা নখোয কুরুবংশগী ম্বারী য়ামনা লীনৈ ॥৬১॥ অকনবা! জ্ঞানী, যোগী নারদনচিংবা কয়ানা, দেবর্ষি কয়ানা নখোয়গী মমাংলৈগী নবুধৌশিংগী ম্বারী য়ামনা লীনৈ, মাদু ঐসু তারবনি ॥৬২॥ অহুগা ঐ ইশামকসু সমুদ্রনা কোযবিবা পৃথিবী অসিগী মফম পুম্নমক্তা কোয়চৎচত্তুনা নখোয়গী শাগৈদা পোকপা নবুধৌশিং অহুগী মতিক মগুণ ইমিৎমক্তা উরবনি ॥ ৬৩॥ অর্জ্জুন! মরোল অহুমদা কাও রবা মিংচৎ চাওরবা দ্রোনাচার্য্যনা নত্তোন্দা বেদ অমদি ধনুর্বিদ্যা পুমনমক লোইনা তম্বিখরে হায়বা ঐ খংজি ॥৬৪॥ হে কুরুশাগৈগী অথোইবা! ধর্ম্ম, বায়ু, ইন্দ্র অমসুং অশ্বিণী কুমার অনি লাইশিংগী মসুংদা অথোইবা নখোয় মঙা অসি, অদুগা নিপাগী মসুংদা অথোয়বা ওইখিবা নখোয়বু পোকপা পাণ্ডু মীশক তকক অসি কুরুবংশগী চাওখৎনবগী মশকনি হায়বসিসু ঐ খংজি ॥৬৫॥ নখোয়নচিন্নাও পুমনমক ব্রহ্মচর্য্য নিয়ম ঙাকলে, নহৈল্লিং লোইনা তমলে হৈরে, পুকচেল চাওবা অকবা হায়বদু ওইরে, অহুগা থৃংলায় পায়বা হৈবশিংগী মসুংদা অথোইবা অকনবা হায়বগসু ওইরেদো ॥৬৬॥ অর্জ্জুন! নখোয় পুমনমক্কী পুকনিং, বুদ্ধি, লৌশিং, থৌমোয় অমদি আত্মাসু গুরুগী অফবা শিক্ষা অদদি পাওতাক্তা ইশেং শেংলেদো। মাসি খংন খংনা নখোয়বু ঐনা থিংদি ক্যারি

ক্রীসকালে চ কৌরব্য ! স পুনান্ কামমর্হতি । ধর্ষণামাত্মনঃ পশ্যন্ বাহুবীর্যমাশ্রিতঃ ॥৬৯॥
নক্তঞ্চ বলমস্মাকং ভূয় এবাভিবর্দ্ধতে । যতস্ততো মাং কৌন্তেয় ! সদারং মন্যুরাবিশৎ ॥সোঽহং -
সোঽহং ত্বয়েহ বিজিতঃ সংখ্যে তাপত্যবর্দ্ধন ! । যেন তেনেহ বিধিনা কীর্ত্তয়ানং নিবোধ মে ॥৭০॥
ব্রহ্মচর্য্যং পরো ধর্ম্মঃ স চাপি নিয়তস্ত্বয়ি । যস্মাত্তস্মাদহং পার্থ ! রণেঽস্মি বিজিতস্ত্বয়া ॥৭১॥
যস্তু স্যাৎ ক্ষত্রিয়ঃ কশ্চিৎ কামবৃত্তঃ পরন্তপ ! । নক্তঞ্চ যুধি যুধ্যেত ন স জীবেৎ কথঞ্চন ॥৭২॥
যস্তু স্যাৎ কামবৃত্তোঽপি স্যাচ্চ ব্রহ্মপুরস্কৃতঃ । জয়েন্নক্তঞ্চরান্ সর্ব্বান্ স ধুর্গতপুরোহিতঃ ॥৭৩॥
তস্মাত্তাপত্য ! যৎকিঞ্চিন্নৃণাং শ্রেয় ইহেপ্সিতম্ । তস্মিন্ কর্ম্মণি যোক্তব্যা দান্তাত্মানঃ পুরোহিতাঃ ॥৭৪॥
বেদে ষড়ঙ্গে নিরতাঃ শুচয়ঃ সত্যবাদিনঃ । ধর্ম্মাত্মানঃ কৃতাত্মানঃ স্যুর্নৃপাণাং পুরোহিতাঃ ॥৭৫॥
জয়শ্চ নিয়তো রাজ্ঞঃ স্বর্গশ্চ তদনন্তরম্ । যস্য স্যাদ্ধর্ম্মবিদ্বাগ্মী পুরোধাঃ শীলবান্ শুচি ॥৭৬॥
লাভং লব্ধুমলব্ধং বা লব্ধং বা পরিরক্ষিতুম্ । পুরোহিতং প্রকুর্বীত রাজা গুণসমন্বিতম্ ॥৭৭॥
পুরোহিতমতে তিষ্ঠেদ্ য ইচ্ছেদ্ভূতিমাত্মনঃ । প্রাপ্তুং বসুমতীং সর্ব্বাং সর্ব্বশঃ সাগরাম্বরাম্ ॥৭৮॥

॥৬৭॥ মরমদি মপাঙ্গল লৈরিবা নিপানা সুপী মমাংদা কনাগুম্বা অতোপ্পা অমগী মফমদগী চোপ্পা মায়থীবা ফংবা হায়বসি খাংবা ওমদে ॥৬৮॥ থোইদোকনা অমূক হায়রবদা অহিংদদি ঐখোয়গী পাঙ্গল অসি অয়ুক সুংথিলদগী য়াম্না কনবা হেল্লি। মরম অদুমক্তনা ঐগী অমসুং ঐগী সুপীগী অশাওবদু যাম্না হেনখিবনি ॥৬৯॥ অদুমকপু অর্জ্জুন নংনা ওসি ঐবু লালদা ওমলে, মায়থীবা পীরে, মাসিগী মরম ঐ হায়গে তাও ॥৭০॥ অর্জ্জুন। ব্রহ্মচার্য্য হায়বা ধর্ম্ম অসিতনা অখোইবনি খংঙু। মাহু নঙোন্দা নিয়ম কায়দনা লৈরি, ধর্ম্ম অদুতনা নহাকনা ঐবু লালদা মায়থীবা পীবা ওম্লিবনি ॥৭১॥ অর্জ্জুন। অপাম-সুংশি অমদি মাহু থুংননবগী থবক্তা য়াম্না পুক্নিং চংলবা অদুগুম্বা ক্ষত্রিয় মচানা অহিংদা লাল শোকনরবদি মহাক অদু করিগুম্বা অমা তৌগনসু হিংবা ইয়া য়াবোইদবনি ॥৭২॥ অদুগা অপাম সুংশিগী থবক্তা পুকনিং চংলবসু ব্রাহ্মণবু মাংথাদুনা লাম্হেং-নরবদি মহাক অদুনা পুরোহিত ব্রাহ্মণ অদুগী পাওতাক মতুংইন্না থবক তৌদুনা অহিংদা কোয়চৎচৎপা হিংচা য়াইওম্বশিংবু জয় তৌবা ওম্মি ॥৭৩॥ মরম অদুনা হে তপতীগী বংশদা পোক্লবা ! জগৎ অসিদা হেক লৈরিবা নীংনবা অমদি মঙ্গলগী থবক পুম্বদা ইন্দ্রিয় খুদুম চল্লবা, পুক্চেল লাকশিল্লবা ব্রাহ্মণ পুরোহিতনা যজমানবু শিজিন্নবা পাংথোকহনবা ওম্মি ॥৭৪॥ ন্যায় ব্যাকরণ-নর্চিংবা অঙ্গ তরুককা লোয়ননা বেদ হৈরবা, থম্মোই হকচাং শেংলবা, অচুম্বা ওাংলবা, ধর্ম্ম চেম্নবা অমসুং শিক্ষা নিংখিনা কংলবা ব্রাহ্মণ অমা নিংথৌমচাশিংগী পুরোহিত ওইনা লৈফম থোকই ॥ ৭৫ ॥

অদুগুম্বা নিংথৌ অমগী মনাক্তা ধর্ম্ম খংলবা, ৱা ওাংবা হৈবা, লমচৎ ফজবা, শেংলবা ব্রাহ্মণ পুরোহিত অমা লৈরবা নিংথৌ মহাক অহদি ইহলোকতগী জয় ওইগনি পরলোকতসু স্বর্গ ফংবা লোয়রবনি ॥৭৬॥ নিংথৌ হায়বসিনা ফংদ্রিবা লনবু ফংনবা, ফংলবা লনবু ঙাকননবা গুণ চেম্নবা পুরোহিতবু হাপ্পি ॥৭৭॥ রাজলক্ষ্মী অমসুং লম্বুম তাওথনবা পাম্বা অমসুং সমুদ্রনা কোয়শিল্লবা পৃথিবী পুম্ববু জয় তৌবা পাম্বা নিংথৌনা পুরোহিতকী ওয়া ইনবা থবক পুম্নমক তৌগদবনি ॥৭৮॥

নহি কেবলশৌর্য্যেণ তাপত্যাভিজনেন চ। জয়েদব্রাহ্মণঃ কশ্চিদ্ভূমিং ভূমিপতিঃ কচিৎ ॥৭৯॥
তস্মাদেবং বিজানীহি কুরূণাং বংশবর্দ্ধন!। ব্রাহ্মণপ্রমুখং রাজ্যং শক্যং পালয়িতুং চিরম্ ॥৮০॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
চৈত্ররথে গন্ধর্ব্বপরাভবো নাম ত্রিষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায় ।০॥

——:*:——

অর্জ্জুন! কনাগুম্বা নিংথৌ অমতনা পুরোহিতবু মাংওইননা থমদুনা মানা হায়বা মতুংইম্না থবক তৌগ্রিমখৈ নিংথৌ অমত্তনা মপাংগলতনা অমলুং অচোবা শাগৈদা পোকপত্তনা লৈপাকপু মতম কুইনা চাওখৎপগা লোয়ননা ভাকপা ঙমদে ॥৭৯॥ মরম অদুনা মরুপ! মাসিমদি শোয়দনা খংঙু—ব্রাহ্মণবু মাংওইননা থমদুনা থবক তৌরবতদা মতম কুইনা লৈপাক ভাকপা ঙম্মনি ॥৮০॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা চৈত্ররথদা "গন্ধর্বপরাভব" কৌবা মতাংগী চানগা হুম্ফুমদোই শুখা অধ্যায লোইরে ॥০॥

——০:(*):০——

শ্রীমহাভারতম্

(তপত্যুপাখ্যানগী ৱারী)

(চাম হুমফুমরি শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

অর্জ্জুন উবাচ।

তাপত্য ইতি যদ্বাক্যমুক্তবানসি মামিহ। তদহং শ্রোতুমিচ্ছামি তাপত্যার্থবিনিশ্চয়ম্ ॥১॥
তপতী নাম কা চৈষা তাপত্যা যৎকৃতে বয়ম্। কৌন্তেয়া হি বয়ং সাধো! তত্ত্বমিচ্ছামি বেদিতুম্ ॥২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তঃ স গন্ধর্ব্বঃ কুন্তীপুত্রং ধনঞ্জয়ম্। বিশ্রুতাং ত্রিষু লোকেষু শ্রাবয়ামাস বৈ কথাম্ ॥৩॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

হন্ত! তে কথয়িষ্যামি কথামেতাং মনোরমাম্। যথাবদখিলাং পার্থ! সর্ব্ববুদ্ধিমতাং বর! ॥৪॥

অর্জ্জুননা হায়—মরূপ! নহাক্না ঐঙোন্দা "তপতীগী শাগৈদা পোকপা" অস্মম হায়না কৌখি। মাসিগী মরম ৱারী খুম্না তানিংঙি ॥১॥ তপতী হায়বসি কনানো? ঐখোয় অসি মহাকী মচানি হায়না মরূপনা হায়রিখি, থাংগৈগেংবদি ঐখোয় পুম্ব ইমা কুন্তীগী মচা ঙাক্নি। মনুংগী ৱা পুম্নমক অসি তাজনিংঙি ॥২॥ বৈশম্পায়ননা হায়—অর্জ্জুননা অসুম হায়রবা কান্দ চিত্ররথ গন্ধর্ব্বনা অর্জ্জুনগী মকুমদা মরোল অহুমদা কাওরবা ৱারী অদু নীরক্লে ॥৩॥ গন্ধর্ব্বনা হায়—অর্জ্জুন! নহাকী মকুমদা

উক্তবানস্মি যেন ত্বাং তাপত্য ইতি যদ্বচঃ । তত্তেঽহং কথয়িষ্যামি শৃণুষ্বৈকমনা ভব ॥৫॥
য এষ দিবি ধিষ্ণ্যেন নাকং ব্যাপ্নোতি তেজসা । এতস্য তপতী নাম বভূব সদৃশী সুতা ॥ ৬॥
বিবস্বতো বৈ দেবস্য সাবিত্র্যবরজা বিভো ! । বিশ্রুতা ত্রিষু লোকেষু তপতী তপসা যুতা ॥৭॥
ন দেবী নাসুরী চৈব ন যক্ষী ন চ রাক্ষসী । নাপ্সরা ন চ গন্ধর্ব্বী তথা রূপেণ কাচন ॥৮॥
সুবিভক্তানবদ্যাঙ্গী স্বসিতায়তলোচনা । স্বাচারা চৈব সাধ্বী চ সুবেশা চৈব ভাবিনী ॥৯॥
ন তস্যাঃ সদৃশং কঞ্চিৎ ত্রিষু লোকেষু ভারত ! । ভর্ত্তারং সবিতা মেনে রূপশীলগুণশ্রুতৈঃ ॥১০॥
সম্প্রাপ্তযৌবনাং পশ্যন্ দেয়াং দুহিতরঞ্চ তাম্ । নোপলেভে ততঃ শান্তিং সম্প্রদানং বিচিন্তয়ন্ ॥১১॥
অথর্ক্ষপুত্রঃ কৌন্তেয় ! কুরূণামৃষভো বলী । সূর্য্যমারাধয়ামাস নৃপঃ সম্বরণস্তদা ॥১২॥
অর্ঘ্যমাল্যোপহারাদ্যৈর্গন্ধৈশ্চ নিয়তঃ শুচিঃ । নিয়মৈরুপবাসৈশ্চ তপোভির্বিবিধৈরপি ॥১৩॥
শুশ্রূষুরনহংবাদী শুচিঃ পৌরবনন্দনঃ । অংশুমন্তং সমুদ্যন্তং পূজয়ামাস ভক্তিমান্ ॥১৪॥
ততঃ কৃতজ্ঞং ধর্ম্মজ্ঞং রূপেণাসদৃশং ভুবি । তপত্যাঃ সদৃশং মেনে সূর্য্যঃ সম্বরণং পতিম্ ॥১৫॥
দাতুমৈচ্ছত্ততঃ কন্যাং তস্মৈ সম্বরণায় তাম্ । নৃপোত্তমায় কৌরব্য ! বিশ্রুতাভিজনায় চ ॥১৬॥

পুক্লিং তূনববগী মশক ওইরবা ব্বারী অসি মপুংফানা লীগনি ॥৪॥ করি মরমগীদমক ঐনা মঙোন্দা "তাপত্য" অসুম হায়না কৌখিবা, মাহু লীগে, মুম্না পুক্লিং চংনা তারো ॥৫॥ মৈগী মশক ওইরবা মশেক্লা অতিয়া মকোয়সিবু শীঙ্গুংনা কুপ্ল্না লৈরিবা অসিগী মহাকমক্লা পোকপদা মতিক চারবী মচ নুপী তপতী হায়না কৌবা অম লৈরম্মি ॥৬॥ সূর্য্যদেব অসিগী মচানুপী তপতী হায়রিবী অসি মচানুপী সাবিত্রীদগীদি অতোনবীনি, অতুগা মরোল অহুমদা ফাওরবী তপস্যা কলবী কন্যা অমনি ॥৭॥ লাই হিংচাব যক্ষ রক্ষ গন্ধর্ব কিন্নরবগী নুপী অমদি স্বর্গগী অপ্সরাশিংগী মপুংদা তপতীমুক কঞবী নুপী অমতা য়াওরমদে ॥৮॥ হকচাং কায়াৎ পুম্নমক নীংথিজে, য়েংথি য়েংথিবা মকমদা অয়াংপা লৈতে। মিৎ অনি অতু শাংতক তৌই, য়াম্না মুই মচৎ মতৌ ব্যবহার ফজবী, ফীজেৎ লৈজেং নীংথিজবী অমসুং শাওং শাথেক্ত মতৌ লৈবীনি ॥৯॥ মশক মতৌ লমচৎ ব্যবহার, মহৈ মশিংদা য়েংবদা মরোল অহুমগী মপুংদা সূর্য্য দেবনা মচানুপীগী দমক মতিক চাব বর অমতা খিব উব ফংখিদ্রে ॥১০॥ অপোমদা তপতীনসু চাওশিল শাংজিনক্লবনিনা মহাকপু কনাগুম্ব বর অমদ দান তৌথোকখিবদু য়ারক্লে। করম্ব মতিক চাব বর অমদা দান তৌগদগে হায়বসিগী চিন্তাদা সূর্য্য দেবগী পুক্লিংদা শান্তি করিমত্তা লৈখিদ্রে ॥১১॥ মতম অসিদা অর্জ্জুন ! ঋক্ষ বংশগী অজমীঢগী মচা, কুরু শাগৈ অথোইবা অমসুং মপাঙ্গল কল্লবা সম্বরণ কৌবা নিংথৌ অসিনা সূর্য্য দেববু য়াম্না কম্ন তপস্যা তৌদুনা লীংলম্মি ॥১২॥ মঙ্গাকনা সুমিৎ খুদিংগী য়াম্না তশেং তশেংনা, অশাওব নাপল্লনচিংব থাদোক্তুনা, সূর্য্য দেবগী সেবাদা পুক্নিং চংনা, মনমসুংশিবা লৈরু-ধুপ থাওমৈ লৈশরেনচিংবা পূজাগী পোৎলমনা অমসুং ব্রত উপাসনাচিংবা মখল মখা অয়াম্ব তপস্যানা ভক্তিগা লোয়ননা নোংপোকথংবা অতিয়াদা থোরকপদা ভায়রিবা সুমিৎগী পূজা তত্তনা তৌব হৌরক্লে ॥১৩—১৪॥ অহংগী ভুংদা তৌবিমল থবাক্বা, ধর্ম্ম চেন্নবা অমসুং অগাম্বা মপা লৈতনা ফজরবা, সম্বরণবু মচানুপী তপতীগী মতিক চাবা বরমি হায়না পুক্নিংবা থবক্লে ॥১৫॥ অতুগী ভুংদা, সূর্য্যদেবনা নিংথৌ পুরুমক্তগী অথোইবা কাওরবা শাংগলা

যথা হি দিবি দীপ্তাংশুঃ প্রভাসয়তি তেজসা। তথা ভুবি মহীপালো দিপ্ত্যা সম্বরণোঽভবৎ ॥১৭॥

যথার্চ্চয়ন্তি চাদিত্যমুদ্যন্তং ব্রহ্মবাদিনঃ। তথা সম্বরণং পার্থ! ব্রাহ্মণাবরজাঃ প্রজাঃ ॥১৮॥

স সোমমতি কান্তত্বাদাদিত্যমতি তেজসা। বভূব নৃপতিঃ শ্রীমান্ সুহৃদাং দুর্হৃদামপি ॥১৯॥

এবংগুণস্য নৃপতেস্তথাবৃত্তস্য কৌরব!। তস্মৈ দাতুং মনশ্চক্রে তপতীং তপনঃ স্বয়ম ॥২০॥

স কদাচিদথো রাজা শ্রীমানমিতবিক্রমঃ। চচার মৃগয়াং পার্থ! পর্ব্বতোপবনে কিল ॥২১॥

চরতো মৃগয়াং তস্য ক্ষুৎপিপাসাসমন্বিতঃ। মমার রাজ্ঞঃ কৌন্তেয়! গিরাবপ্রতিমো হয়ঃ ॥২২॥

স মৃতাশ্বশ্চরন্ পার্থ! পদ্ভ্যামেব গিরৌ নৃপঃ। দদর্শাসদৃশীং লোকে কন্যামায়তলোচনাম্ ॥২৩॥

স এক একামাসাদ্য কন্যাং পরবলার্দ্দনঃ। তস্থৌ নৃপতিশার্দ্দূলঃ পশ্যন্নবিচলেক্ষণঃ ॥২৪।

স হি তাং তর্কয়ামাস বপুতো নৃপতিঃ শ্রিয়ম্। পুনঃ স তর্কয়ামাস রবেভ্রষ্টামিব প্রভাম্ ॥২৫॥

বপুষা বর্চ্চসা চৈব শিখামিব বিভাবসোঃ। প্রসন্নত্বে চ কান্ত্যা চ চন্দ্ররেখামিবামলাম্ ॥২৬॥

গিরিপৃষ্ঠে চ সা তস্মিন্ স্থিতা স্বসিতলোচনা। বিভ্রাজমানা শুশুভে প্রতিমেব হিরণ্ময়ী ॥২৭॥

[illegible], সম্বরণগী মমমদা মচাম্নপী তপতীবু পীগে হায়না পুকনিংদা লেপখি ॥১৬॥ মরমদি, সূর্য্য [illegible] [illegible] মশেক মঙ্গায় অতিয়া পুয়নমকপু শীম্ব‌ুংনা শন্দোকনা লৈবা অড়ুগুমড়না সম্বরণ [illegible] নিংথৌ [illegible] মাগী মতিক মগুণনা অঙ্গদি মশেক মঙ্গান পৃথিবী অসি কুপ্ত‌ুনা লৈরম্মি ॥১৭॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হৌরক্লগা ইনৌ সৌন থোরুকপা সূর্য্যদেববু খুরম্ব পূজা তৌব অড়ুগুমনা [illegible] নিংথৌ সম্বরণবু অকিবা ইকাইখুম্নবগা লোয়ননা পূজা তৌনরম্মিবনি ॥১৮। মশক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] সম্বরণ হায়বা নিংথৌ অসি মহাকী মথোংপা অনৌবা লমচৎ ব্যবহারনা [illegible] [illegible] মমমদা থাবু হেন্না নীংথিজ্রে থোংলি, অদুগা য়েকনবশিংগী মফমদদি সুংগেত্তে [illegible] তেজ করি ॥১৯॥ অদুনা অর্জ্জুন। অদুমক্তনা সম্বরণ হায়বা নিংথৌ অসি অদুকী মতিক গুণ [illegible] লমচৎ কাইজ [illegible] খংহুনবু সূর্য্যদেব মশামকনা মহাকী মথুম্না এচানুপী তপতীবু দান তৌগে হায়না [illegible] ॥২০॥ অদুগী [illegible] লোংবা, খাওংশাদা মশক্তা পুকনিং হুনলবগী মশক ওইরবা [illegible] মাগুনা মপাক্ত মথৌনা [illegible] নিংথৌ সম্বরণনা চীংয়াদা বন অমগী মনুংদা শজী খুনাই [illegible] চৎলম্মি। ২১॥ মতৌ অদুমদা মৃগয়া [illegible] মহাকী চাক্ষমনীংঙাই লৈত্রবা সগোল অদু [illegible] [illegible] [illegible] চীখোং অদুদা মথবাই শাখি ॥২২॥ মতম অদো মথোংনা চীংগী [illegible] অদুম কোয়চৎ চৎলকপদা জগতা [illegible] লৈক্ত্রবী মিপা ফজরবী কন্যা অম উখি ॥২৩॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] সম্বরণনা [illegible] অদুম লাকপদা মক্তোমতা [illegible] কন্যা অদুবু মমিং [illegible] [illegible] [illegible] লৈরে ॥২৪॥ মহাকনা কন্যা অদুগী মশক উবদা থাজেলোংবী লক্ষ্মী দেবী [illegible] [illegible] [illegible] নাম্বরকী [illegible] তাইবং [illegible] মশক থোইনা লাক্লবনি হায়না [illegible] ॥২৫॥ [illegible] [illegible] মহাকী [illegible] মশেক [illegible] [illegible] [illegible] উবদা মৈরীমকনি [illegible] [illegible] [illegible] পুকনিং [illegible] [illegible] মশক অদু উবদা থাগী মঙাল থাবল হায়রী- [illegible] হায়ন খনখি ॥২৬॥ [illegible] [illegible] কন্যা অদুনা চীংথক [illegible] লেপ্ত‌ুনা লৈবদি শনাজ্রপা

তস্যা রূপেণ স গিরির্বেশেন চ বিশেষতঃ। সসবৃক্ষক্ষুপলতো হিরণ্ময় ইবাভবৎ ॥২৮॥
অবমেনে চ তাং দৃষ্ট্বা সর্ব্বলোকেষু যোষিতঃ অবাপ্তং চাত্মনো মেনে স রাজা চক্ষুষঃ ফলম্ ॥২৯॥
জন্মপ্রভৃতি যৎ কিঞ্চিদ্দৃষ্টবান্ স মহীপতিঃ। রূপং ন সদৃশং তস্যাস্তর্কয়ামাস কিঞ্চন ॥৩০॥
তয়া বদ্ধমনশ্চক্ষুঃ পাশৈর্গুণময়ৈস্তদা। ন চচাল ততো দেশাদ্বুবুধে ন চ কিঞ্চন ॥৩১॥
অস্যা নূনং বিশালাক্ষ্যাঃ সদেবাসুরমানুষম্। লোকং নির্ম্মথ্য ধাত্রেদং রূপমাবিষ্কৃতং কৃতম্ ॥৩২॥
এবং স তর্কয়ামাস রূপদ্রবিণসম্পদা। কন্যামসদৃশীং লোকে নৃপঃ সম্বরণস্তদা ॥৩৩॥
তাঞ্চ দৃষ্ট্বৈব কল্যাণীং কল্যাণাভিজনো নৃপঃ। জগাম মনসা চিন্তাং কামবাণেন পীড়িতঃ ॥৩৪॥
দহ্যমানঃ স তীব্রেণ নৃপতির্ম্মন্মথাগ্নিনা। অপ্রগল্‌ভাং প্রগল্‌ভস্তাং তদোবাচ মনোহরাম্ ॥৩৫॥
কাসি কস্যাসি রম্ভোরু! কিমর্থঞ্চেহ তিষ্ঠসি। কথঞ্চ নির্জ্জনেহরণ্যে চরস্যেকা শুচিস্মিতে। ॥৩৬॥
ত্বং হি সর্ব্বানবদ্যাঙ্গী সর্ব্বাভরণভূষিতা। বিভূষণমিবৈতেষাং ভূষণানামভীপ্সিতম্ ॥৩৭॥

পুমহৈ ওইনা শারবা মূর্ত্তিগুম নীংথিজরম্মি।২৭। মহাক্কী মশক্কী অমসুং ফীজোলশিং অদুগী মঙাম্ন চীং অদুগী ৱাং চাওরবা উপাম্বী অদুগা পীক্রবা হৈপাল লৈপাল অমসু উরী ৱারী পুমনমক চপ মান্নবা শনাতনা শাবা ওইনা উখি, চীং অদুমক শনাগী চীং ওইনা উখ্রে ॥২৮॥ নিংথৌ সম্বরণনা কন্যা অদুবু উবদা মরোল অহুমগী সুপী পুমনমক করি অমতা ওইদনা উখি, মিৎ পানবগী মহৈ য়াম্লেদনা হায়না খনখি ॥২৯॥ মহ.কনা মমাংইঙদা হেক উখিবা সুপীশিং অহ্গী মসুংদ, কনা অমতনা মহাক্কা চাংদমনীংঙাই ওইদে হায়না খনখি ॥৩০॥

মতম অদুদা কন্যা অদুনা মহাক্কী গুণগী থৌরীনা নিংথৌ অহ্গী থম্মোই অমসুং মিৎ অনিবু ফাজিন্দুনা থমখ্রে; অহনা নিংথৌ অদু মফম অদুগী খুবৈ অমতা লেংবা যাখিদ্রে, অদুগা করি তৌগদগে হায়বদু খংখিদ্রে, মায়কৈ শনাই উখিদ্রে ॥৩১। কন্যা অদুগী মশক উরগা নিংথৌ সম্বরণনা অসুম হায়না খল্লি—মী লাই ঙিংচাবশিংগী লোক অহুমগী মহুংদা ফজবমখৈ নৈখায়রগা মিত্তা ফজরবী কন্যা অসিগী পুক্রিং হুননবগী মশক ওইরবা মূর্ত্তি অসি শেমখিবনি ॥৩২॥ অদুগা মহাক্কী মশক মতৌ অদু মুম্না অহুম য়েংলগা জগত্তা চাংদমনীংঙাই লৈত্রবী সুপী অমনি হায়না নিংথৌ অহনা খনখি ॥৩৩॥ নীংথিজবী বনদুবু উরগা অচৌবা অথোইবা রাজবংশদা পোক্রবা নিংথৌ সম্বরণনা কন্যা অদুগী অপাম্ব সুংশিগী তেন্না থম্মোইদা পান্দুনা পুক্রিংদা মঙল মঙল খল্লকই ॥৩৪॥ সম্বরণ কৌবা নিংথৌনা অপাম্ব সুংশিগী মৈশানা ৱারহুনা মাহু খাংবা ওমদহুনা তপলবী, ফজরবী মথোৎ কারকপী অদুগী মকমদা চংশিন্দুনা হায়রকই ॥৩৫॥

কুজবী! নংবু কনানো? লোয়নবী কনাগী নত্রগা মচানো?
করিগীদমক্তা, কনাগীদমক্তা, অচৌকপা অসিদা লৈরিবা?
অচৌকপা মীয়াওথেংনা তাদ্রবা বনশিদা কনাতু য়াওদনা করিগী চৎলিবা? ॥৩৬॥
হকচাং কায়াৎ অপুম্ব, পুক্রিং হুন ফজেদো। অয়াম্ব লৈতেং ফীজোম্না, লৈতেংলিবী নহাক্কি।
মহাক্কী নশান্না শকচবদা ফীজেৎ পুম্বগী নীংবা পুংজরে ॥৩৭॥

ন দেবীং নাসুরীঞ্চৈব ন যক্ষীং ন চ রাক্ষসীম্। ন চ ভোগবতীং মন্যে ন গন্ধর্বীং ন মানুষীম্ ॥৩৮॥
যা হি দৃষ্টা ময়া কাশ্চিচ্ছ্রুতা বাপি বরাঙ্গনাঃ। ন তাসাং সদৃশীং মন্যে ত্বামহং মত্তকাশিনি। ॥৩৯॥
দৃষ্ট্বৈব চারুবদনে! চন্দ্রাৎ কান্ততরং তব। বদনং পদ্মপত্রাক্ষং মাং মথ্নাতীব মন্মথঃ ॥৪০॥
এবং তাং স মহীপালো বভাষে ন তু সা তদা। কামার্ত্তং নির্জনেঽরণ্যে প্রত্যভাষত কিঞ্চন ॥৪১॥
ততো লালপ্যমানস্য পার্থিবস্যায়তেক্ষণা। সৌদামিনীব চাভ্রেষু তত্রৈবান্তরধীয়ত ॥৪২॥
তামন্বেষ্টুং স নৃপতিঃ পরিচক্রাম সর্ব্বতঃ। বনং বনজপত্রাক্ষীং ভ্রমন্নুন্মত্তবত্তদা ॥৪৩॥
অপশ্যমানঃ স তু তাং বহু তত্র বিলপ্য চ। নিশ্চেষ্টঃ পার্থিবশ্রেষ্ঠো মুহূর্ত্তং স ব্যতিষ্ঠত ॥৪৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
চৈত্ররথে তপত্যুপাখ্যানে চতুঃষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——০.(*).০——

নীংথিবী নংগী নশকসি উবদা নংগা মান্নবা ফজবী, কনাগুম্বী লাইরেম্বী অমতা,
গন্ধর্বী, যক্ষী, দানবী, লিলগী নীঙোল কনাম্ব তাইবংমপী কনাম্ব লৈত্রে হায়না খল্লিদো ॥৩৮॥
মথোৎ কাবগী মযায় কাববী। ঐন উখিব তাখিবশিংগী মরক্ত নংগা মান্নবা,
ফজবী কনাগুম্বী য়াওরমগনি হায়না ঐনা ইপুক্ত খন্দেদো ॥৩৯॥
শকচেনবী! নংগী, থম্বাল লৈনাগুম্ব, নীংথিবা মিৎম্নানা তিল্লব,
থাজদগী হেন্ন ফজব, মায়থোং থাজবু উবগা, অপাম খংশিগী লাইনা, কামদেব মহাক্না
নৈহৎলি ঐগী থম্মোইবু। ৪০॥

নিংথৌ সম্বরণনা ব্বা অসি হায়রবদা কন্যা অহদি মীচীক মীরাওথোল তাত্রবা, চীক্লবা উমং অহদা লৈন লৈনা করিগুম্বা পাওথুম অমতা পীহিদ্রে ॥৪১॥ নিংথৌনা হন্না হন্না হায়থক্লবদা, নোংথাংনা নোংলক্তা লাৎথিবগুম মিত্তা ফজবী কন্যাদো, মফমন্থমক্তদগী মাংথোকখি ॥৪২॥ অতুগীতুংদা, থম্বাল মিত্তা তাবী মহাকপু থিগে হায়তুনা নিংথৌ সম্বরণ অতু, অত্তাওবগী মতৌগুম বনগী মফম খুদিংদা কোযচৎ চৎপা হৌরকলে ॥৪৩॥ মহাকপু উব ফংত্রবা নিংথৌ অথোইবা অতুনা, মফম অতুদা, ওহাক বগুনা লৈকরগা, জ্ঞান তাদনা চপ লেপ্তুনা লৈখি ॥৪৪॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতা আদিপর্ব্বদা চৈত্ররথগী মনুংদা, তপত্যুপাখ্যান কোবা চামগা তরুফ্‌মরি গুবা অধ্যায লোইরে ॥০॥

——.(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(চৈত্ররথদা তাপত্যগী ৱারী)

(চামা হুম্ফুমঙা শুবা অধ্যায়)

—:(০):—

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

অথ তস্যামদৃশ্যায়াং নৃপতি কামমোহিতঃ। পাতনঃ শত্রুসংঘানাং পপাত ধরণীতলে ॥১॥
তস্মিন্ নিপতিতে ভূমাবথ সা চারুহাসিনী। পুনঃ পীনায়তশ্রোণী দর্শয়ামাস তং নৃপম্ ॥২॥
তং কুরূণাং কুলকরং কামাভিহতচেতসম্। উবাচ মধুরং বাক্যং তপতী প্রহসন্ত্যপি ॥৩॥
উত্তিষ্ঠোত্তিষ্ঠ ভদ্রং তে ন ত্বমর্হস্যরিন্দম !। মোহং নৃপতিশার্দ্দূল ! গন্তুমাবিষ্কৃতঃ ক্ষিতৌ ॥৪॥
এবমুক্তোঽহথ নৃপতির্বাচা মধুরয়া তদা। দদর্শ বিপুলশ্রোণীং তামেবাভিমুখে স্থিতাম্ ॥৫॥
অথ তামসিতাপাঙ্গীমাবভাষে স পার্থিবঃ। মন্মথাগ্নিপরীতাত্মা সন্দিগ্ধাক্ষরয়া গিরা ॥৬॥
সাধু ত্বমসিতাপাঙ্গি ! কামার্ত্তং মত্তকাশিনি !। ভজস্ব ভজমানং মাং প্রাণা হি প্রজহন্তি মাম্ ॥৭॥
ত্বদর্থং হি বিশালাক্ষি ! মাময়ং নিশিতৈঃ শরৈঃ। কামঃ কমলগর্ভাভে ! প্রতিবিধ্যন ন শাম্যতি ॥৮॥

ৱারী লীবিবা গন্ধর্বনা হায়—কন্যা অতুনা মশক উথিদ্রবদা, য়েকনবপুম্বগী লাম্মী তেঙ্গোলবু লৈমায়দা তুহনবা নিংথৌদো, কামগী চৈনাখোল থাংবা ঙমদনা জ্ঞান তাদনা লৈমায় থক্তা তুথে, ॥১॥ নিংথৌনা লৈমায থক্তা তুথ্রবদা মীনোক নীংথু ফজবী মুপী মচা অদো অমুক হন্না লাক্নুনা মশক্তো নিংথৌদা উহল্লে ॥২॥ মিৎচিনা মোমোন নোক্নুনা . কুরুশাগেবু ঙাক্লিবা, অপাম সুংশিগী মৈনা চাক্লবা, নিংথৌ অতুগী মফমদা অথুম্বা ৱাহৈসি হায়রকই ॥৩॥ যেক্লবা ঙমকবা, নিংথৌ অথোইবা! লেংখৎলু, লেংখৎলু, মঙ্গল ওইসনু মহারাজগী। বিধাতানা নিংথৌ হাপ্নুনা মর্ত্ত্যলোক অসিদা থারকপা নহাক্নি। অতুনা করিস্নু লৈতবা মরম অসিগীদমক জ্ঞান তাদবা হৌনদে ॥৪॥ অসুমনা থুমলবা ৱাহৈনা কৌদুনা হায়রকপা অতুদা নিংথৌ সম্বরণ অতুনা মমিৎ পাংথোকরকপদা মমাংদা লেপ্নুনা লৈরিবী তীংদা য়াংদা ফজরবী কন্যা অদুবু উরে ॥৫॥ অদুগী ঈতুংদা অপাম সুংশিগী চৈনা-থোন্না অরাবা ফংলবা নিংথৌনা মপুংফাদবা, খোঙ্গোক তশেং তশেংদবা ৱাহৈনা মীনোক মিত্তা ফজবী কন্যা অদুদা হায়রকই ॥৬॥ পুকচেল ফজবী ! মিত্তা ফজবী ! মথোৎ কায়রকপগী মরম কারবী। অপাম-সুংশিগী ৱাখল্লা ঙাওরবা ঐ অসি নত্তোন্দা পুক্নিং লুপথরে; অদুগুম্বা নহাক্তু ঐত্তোন্দা নপুক্নিংদু লুপপুগবা। নত্রবদি থৱাই মঙানা ঐবু থাদোক্নুনা চৎথিগদোরে ॥৭॥

মিত্তা ফজবী ! শকহেনবী ! থম্বাল সৈরিক কুচু মানবীও !
নঙুং লাংগী দমক্তা, অপাম সুংশি পুরিবা, কামদেব কৌবনা,
থৌরবা তেন্না থাবসে অতৎ-অথম লৈতরে ॥৮॥

দৃষ্টমেব মনাক্রন্দে ! ভদ্রে ! কামমচাহিনা । সা ত্বং পীনায়তশ্রোণি ! মামাপ্নুহি বরাননে ! ॥৯॥
ত্বদধীনা হি মে প্রাণাঃ কিন্নরোদ্গীতভাষিণি ! । চারুসর্বানবদ্যাঙ্গি ! পদ্মেন্দুপ্রতিমাননে ! ॥১০॥
নহ্যহং ত্বদৃতে ভীরু ! শক্ষ্যামি খলু জীবিতুম্ । কামঃ কমলপত্রাক্ষি ! প্রতিবিধ্যতি মাময়ম্ ॥১১॥
তস্মাৎ কুরু বিশালাক্ষি ! ময্যনুক্রোশমঙ্গনে ! । ভক্তং মামসিতাপাঙ্গি ন পরিত্যক্তুমর্হসি ॥১২॥
ত্বং হি মাং প্রীতিযোগেন ত্রাতুমর্হসি ভাবিনি ! । ত্বদ্দর্শনকৃতস্নেহং মনশ্চলতি মে ভৃশম্ ॥১৩॥
ন ত্বাং দৃষ্ট্বা পুনশ্চান্যাং দ্রষ্টুং কল্যাণি ! রোচতে । প্রসীদ বশগোঽহং তে ভক্তং মা ভজ ভাবিনি ! ॥১৪॥
দৃষ্ট্বৈব ত্বাং বরারোহে ! মন্মথো ভৃশমঙ্গনে ! । অন্তর্গতং বিশালাক্ষি ! বিধ্যতি স্ম পতত্রিভিঃ ॥১৫॥
মন্মথাগ্নিসমুদ্ভূতং দাহং কমললোচনে ! । প্রীতিসংযোগযুক্তাভিরদ্ভিঃ প্রহ্লাদয়স্ব মে ॥১৬॥
পুষ্পায়ুধং দুরাধর্ষং প্রচণ্ডশরকার্মুকম্ । ত্বদ্দর্শনসমুদ্ভূতং বিধ্যন্তং দুঃসহৈঃ শরৈঃ ।
উপশাময় কল্যাণি ! আত্মদানেন ভাবিনি ! ॥১৭॥

ইবেম্মা ! করিবু হায়সিগে, মহূ কল্লবা তাংজনা, কাম্বগী মশক লোইহনা,
ঐগী থম্মোইবু চীকথংলি । অঙবু ফজবী নহাক্তি, অম্বাংবসি কোক্লবা
থেমজিনবা বাহৈফাওবা ভাংবিদ্রি । খুল-য়াংনা লাক্কুনা, অম্বাবসিদগী কল্লোলাও ॥৯॥
অম্বাংপ লৈতনা ফজবী ! হায়দোরকপা খোম্লেম্মা, গন্ধর্বগী ঈশৈগুম্মিদো,
নহাক্কী মায়থোং অতুনা, থম্বাল-থাগী মতৌনি । ঐগী থম্বাই মঙাসে নংগী নখা পোনপরে ।১০।
ফজবী ! নংগী মতেং নত্তনা, ইথম্বাই কনবা ঙমগনি উদ্রে ।
অতৎ অথম লৈতনা, কামনা মহাক্কী তেম্না তোয়নমক্ত থাবক্রি ॥১১॥
অম্বুনা মিত্তা ফজবী ! ঐবু থৌজালবিয়ম্মু । ঐহাক্তি নহাক্কী ভক্তনি,
অতুনা ভক্ত ঐবু নহাক্না থাদোকপা, থক হৌনদে, তৌগম্মু ॥১২॥
অপাম মুংশিগী তিম্নবনা, খুংলায় ওইতুনা ঐহাকপু,
নহাক্না কনবিফম খোকপনি । নহাক্কী নশক উকবদগী,
থম্মোইদা খোইনা, ঈয়াং হৌরি ॥১৩॥ নহাক্কী নশক উবদা, ঐগী থুম্মোই অসিনা ;
অতোপ্পী অমবু থনদরে । অতৈ অম থল্লুদ্রে ।
থৌজাল হৈবিয়ু, চানবিয়ু, নংগী নখা পোল্লবনি । অঙনা ঐবু মুংশিবিয়ু ॥১৪॥
ফজবী ! নংবু উবদগী কামদেব কৌবনা, অতৎ-অথম লৈতনা, খোইদোক্লা শাফু কয়বু ;
থম্মোই থুমনা তেম্ন থারক্লি ॥১৫॥ থম্বাল মিত্তা ভাবীও !
অপাম মুংশিগী মৈরীনা, চকচাং পুম্ব চাকলক্রে । মুংশি-তিম্নবগী লাইজনা,
মৈরীশিবু মুথংলো লাও ॥১৬॥ উবদ মজলগী মশক ওইবীও !
নশক উবতম থম্মোইদা, অপাম মুংশি পোকখ্রে । লাকতম কাঙমত্রব লাই ;
কামদেব কৌবা মহাক্না লীরুংদা তেন্দা য়োৎহুনা
থাংজমত্রবা তেনবু কাপলক্লি । অঙনা ফজবী নহাক্না, নশামক ঐদোম্ব পীহনা,

গান্ধর্ব্বেণ বিবাহেন মামুপেহি বরাঙ্গনে!। বিবাহানাং হি রম্ভোরু! গান্ধর্ব্বঃ শ্রেষ্ঠ উচ্যতে ॥১৮॥

তপত্যুবাচ।

নাহমীশাত্মনো রাজন্! কন্যা পিতৃমতী হ্যহম্। ময়ি চেদস্তি তে প্রীতির্যাচস্ব পিতরং মম ॥১৯॥

যথা হি তে ময়া প্রাণাঃ সংগৃহীতা নরেশ্বর!। দর্শনাদেব ভূয়স্ত্বং তথা প্রাণান্ মমাহরঃ ॥২০॥

ন চাহমীশা দেহস্য তস্মান্নৃপতিসত্তম!। সমীপং নোপগচ্ছামি ন স্বতন্ত্রা হি যোষিতঃ ॥২১॥

কা হি সর্ব্বেষু লোকেষু বিশ্রুতাভিজনং নৃপম্। কন্যা নাভিলষেন্নাথং ভর্ত্তারং ভক্তবৎসলম্ ॥২২॥

তস্মাদেবং গতে কালে যাচস্ব পিতরং মম। আদিত্যং প্রণিপাতেন তপসা নিয়মেন চ ॥২৩॥

স চেৎ কাময়তে দাতুং তব মামরিসূদন!। ভবিষ্যাম্যথ তে রাজন্! সততং বশবর্ত্তিনী ॥২৪॥

অহং হি তপতী নাম সাবিত্র্যবরজা সুতা। অস্য লোকপ্রদীপস্য সবিতুঃ ক্ষত্রিয়র্ষভ! ॥২৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
চৈত্ররথে তাপত্যে পঞ্চষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

---:(*):---

তেলগী চৈনাখোল ঈংহল্লো লাও ॥১৭॥ ফজবী, নহাক্না ঐহাক্না,
গন্ধর্ব বিবাহ তৌদুনা তিন্নসি উনসি চংলকউ লাও,
যৈগল অনি তাবনা, লফুলেম্বা ভংজবী। লুহোংবা খিবিক্কী মনুংদা
গন্ধর্বগী লুহোংবা মংংনা খব্বাইদগী হেনবনি শকহেনবী ॥১৮॥

নিংথৌগী ব্বা তাবদা, তপতীনা হায়বকই— মহারাজ! ঈশামক্তদা ঈশামক্কী ঈনীং তৌনা করিমতা তৌনীংভ্রই শক্তি লৈতে। মবমদি ঐ অসি ইপা-লৈবীনি, অদুনা মহারাজনা ঐবু মুংশিবিরবদি ঐবু পোকপা ইপাদা চংলগা ঐবু নিবিকবা যাগনি ॥১৯॥ মহারাজ! মহারাজনা ঐবু উবতদা ঐনা মহারাজগী থব্বাইবু হুরান্লে হায়না ত্তাকপীবিবদো অদুগুম্না মহারাজনস্থ ঐগী থব্বাইবু মাহুদগী হেন্না হুদুনা পুবিরে ॥২০॥ অদুবু মহারাজ! ঐগী হকচাং অসিগী মপুদি ঐ নত্রে, অদুনা ঐহাকনা মহারাজগী নকমদা চংলক্তবনি। মরমদি নুপী হায়বসে করিগুম্বা মতমদা মনীংতমনা চৎপা য়াদে ॥২১॥ পৃথিবীগী মনুংদা করম্বী কন্যানা ফাওরবা অচোবা শাগৈদা পোক্রবা, চংজববু মুংশিবিবা; প্রজাবু ঙাক্লিবা নিংথৌবু মপুরোয়ব ওইহন্নীংদবা য়াওবগে? ॥২২॥ অদুনা মহারাজ! মহারাজগা ঐগা মুংশিমিন্নবা মতমসিমক্তদা, ঐবু পোকপা ইপা সূর্য্যদেববু ত্রতনা তপস্যানা পেলহন্দুনা ঐবু নিবিয়ু ॥২৩॥ য়েকনবা পুম্নমক ভম্ববা মহারাজ! সূর্য্যদেবনা করিগুম্বা মহারাজদা ঐবু পীনীংলবদি ঐ মতম কুইনা নখাপোন্দুনা মহারাজগী সেবা তৌজগে ॥২৪॥ ক্ষত্রিয়শিংগী মনুংদা অথোইবা! জগৎ পুম্বগী থাওমৈ ওইরিবা সূর্য্যদেবগী মচানুপী সাবিত্রি হায়রবীদো, মহাকী ইতোন ত্তোনবী মনাওনি ঐদি, ঐগী মিংনা— "তপতী" ॥২৫॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিপিং চামা শ্রীমহাভারতনা লোয়রা সংহিতাদা আদি পর্ব্বাদা
চৈত্ররথদা তাপত্যগী মনুংদা চামাগা হুমফুমগা শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

---:(*):---

শ্রীমহাভারতম্

(চৈত্ররথগী মনুংদা তাপত্য)

(চামা হুম্ফুতরুক শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

গন্ধর্ব্ব উবাচ ।

এবমুক্ত্বা ততস্তূর্ণং জগামোর্দ্ধমনিন্দিতা । স তু রাজা পুনর্ভূমৌ তত্রৈব নিপপাত হ ॥১॥
অন্বেষমাণঃ সবলস্তং রাজানং নৃপোত্তমম্ । অমাত্যঃ সানুযাত্রশ্চ তং দদর্শ মহাবনে ॥২॥
ক্ষিতৌ নিপতিতং কালে শক্রধ্বজমিবোচ্ছিতম্ । তং হি দৃষ্ট্বা মহেষ্বাসং নিরস্তং পতিতং ভুবি ॥৩॥
বভূব সোঽস্য সচিবঃ সম্প্রদীপ্ত ইবাগ্নিনা । ত্বরয়া চোপসঙ্গম্য স্নেহাদাগতসম্ভ্রমঃ ॥৪॥
তং সমুত্থাপয়ামাস নৃপতিং কামমোহিতম্ । ভূতলাদ্ভূমিপালেশং পিতেব পতিতং সুতম্ ॥৫॥
প্রজ্ঞয়া বয়সা চৈব বৃদ্ধঃ কীর্ত্ত্যা নয়েন চ । অমাত্যস্তং সমুত্থাপ্য বভূব বিগতজ্বরঃ ॥৬॥
উবাচ চৈনং কল্যাণ্যা বাচা মধুরয়োত্থিতম্ । মা ভৈর্মনুজশার্দ্দূল ! ভদ্রমস্তু তবানঘ ! ॥ ৭ ॥
ক্ষুৎপিপাসাপরিশ্রান্তং তর্কয়ামাস বৈ নৃপম্ । পতিতং পাতনং সংখ্যে শাত্রবাণাং মহীতলে ॥৮॥
বারিণা চ সুশীতেন শিরস্তস্যাভ্যষেচয়ৎ । অস্ফুটন্মুকুটং রাজ্ঞঃ পুণ্ডরীকসুগন্ধিনা ॥ ৯ ॥

গন্ধর্ব্বনা হায়খি—অম্বাংপা লৈতনা ফজরবী তপতীনা নিংথৌদা অম্মম হায়রমলগা নোংথক্তা পাইথৎখি নিংথৌ অসি অমুক হন্না লৈমায়দা থাম্বচুনা তুখি ॥১॥ অদুগী তুংদা নিংথৌগী খোংলোয় লাম্মিশিংগা লোয়ননা মন্ত্রীনা নিংথৌবু অম্ম থিরকপদা চাউরবা বন অদু য়ৌরক্তুনা অদুগুম্বা অবস্থাদা লৈববা নিংথৌ অদু থেংনরুরে ॥২॥ মতম চানা থাজৎলুরগা অমুরক হন্না লৈমায় থক্তা তাথ্রবা ইন্দ্রগী ফিরানগী মতৌগুমলবা অচৌবা লীকং পায়রবা নিংথৌ অহনা শগোলসু করিসু ইয়াও য়াওদনা লৈমায় থক্তা তাহনা লৈবহ উবদা মন্ত্রী অহু মুংঙাইতবগী মৈনা চাক্তুনা, থুনা য়াংনা চেনশিল্লক্তুনা নিংথৌ অদুবু মুংশিখিবনা ইপা-পাথত্তুনা মপানা মচাবু কোনথৎপগুম্না, অপাম মুংশিগী থাথম্না জ্ঞান তাদনা তুদুনা লৈরবা নিংথৌ অদুবু লৈমায় থক্তগী কোনথৎলি ॥৩—৫॥ জ্ঞানদা, চহিদা থিংচত্তা অমসুং রাজনীতিদা অহন ওইরবা মন্ত্রী অহনা নিংথৌ সম্বরণবু কোনথৎলগা মুংঙাইতবা পুম্বা লৈখিরে ॥৬॥ মঙ্গলগী মশক ওইরবা, থুমলবা থাহৈনা মন্ত্রীনা নিংথৌদা হায়রকই—মহারাজ ! করিমত্তা চিংনবা অকিবা তৌবিগনু, মহারাজগী মঙ্গল ওইসনু ॥৭॥ লানফমদা য়েকনবা পুম্ববু লৈমায়থক্তা তুহনবা ওমলবা নিংথৌ অসি অরাম খোয়াংবনা শাংবা ওম্মদুনা লৈমায়থক্তা তুহনা লৈরম্মলবোরে হায়না মন্ত্রী অদুনা মপু ক্লিংদা থনখি ॥৮॥ অহগী তুংদা মন্ত্রীনা থম্বাল লৈনমগুম মুংশিরবা, ঈংলবা ঈশিংনা নিংথৌগী কোক্তা থিকই, ঈশিং থিকপা অদুদা অমোংপা লোৎ পুম্ননমক কোকথিদুনা নিংথৌগী মুহুপ অদু

ততঃ প্রত্যাগতপ্রাণস্তদবলং বলবান্নৃপঃ । সর্ব্বং বিসর্জ্জয়ামাস তমেকং সচিবং বিনা ॥১০॥
ততস্তস্যাজ্ঞয়া রাজ্ঞো বিপ্রতস্থে মহদ্বলম্ । স তু রাজা গিরিপ্রস্থে তস্মিন্ পুনরুপাবিশৎ ॥১১॥
ততস্তস্মিন্ গিরিবরে শুচির্ভূত্বা কৃতাঞ্জলিঃ । আরিরাধয়িষুঃ সূর্য্যং তস্থাবূর্দ্ধমুখঃ ক্ষিতৌ ॥১২॥
জগাম মনসা চৈব বশিষ্ঠমৃষিসত্তমম্ । পুরোহিতমমিত্রঘ্নস্তদা সম্বরণো নৃপঃ ॥১৩॥
নক্তন্দিনমথৈকত্র স্থিতে তস্মিন্ জনাধিপে । অথাজগাম বিপ্রর্ষিস্তদা দ্বাদশমেঽহনি ॥ ১৪ ॥
স বিদিত্বৈব নৃপতিং তপত্যা হৃতমানসম্ । দিব্যেনা বিধিনা জ্ঞাত্বা ভাবিতাত্মা মহানৃষিঃ ।১৫।
তথা তু নিয়তাত্মানং তং নৃপং মুনিসত্তমঃ । আবভাষে স ধর্ম্মাত্মা তস্যৈবার্থচিকীর্ষয়া ।১৬॥
স তস্য মনুজেন্দ্রস্য পশ্যতো ভগবানৃষিঃ । ঊর্দ্ধমাচক্রমে দ্রষ্টুং ভাস্করং ভাস্করদ্যুতিঃ ॥১৭॥
সহস্রাংশুং ততো বিপ্রঃ কৃতাঞ্জলিরুপস্থিতঃ । বশিষ্ঠোঽহমিতি প্রীত্যা স চাত্মানং ন্যবেদয়ৎ ॥১৮॥
তমুবাচ মহাতেজা বিবস্বান্ মুনিসত্তমম্ । মহর্ষে ! স্বাগতং তেঽস্তু কথয়স্ব যথেপ্সিতম্ ॥১৯॥
যদিচ্ছসি মহাভাগ ! মত্তঃ প্রবদতাং বর ! । তত্তে দদ্যামভিপ্রেতং যদ্যপি স্যাৎ সুদুষ্করম্ ॥২০॥
এবমুক্তঃ স তেনর্ষির্বশিষ্ঠঃ প্রত্যভাষত । প্রণিপত্য বিবস্বন্তং ভানুমন্তং মহাতপাঃ ॥২১॥

বশিষ্ঠ উবাচ ।

যৈষা তে তপতী নাম সাবিত্র্যবরজা সুতা । তাং ত্বাং সম্বরণস্যার্থে বরয়ামি বিভাবসো ! ॥ ২২ ॥

হান্নদগী হেন্না নিংথিজ্রে অমদি পুমলং লংখি ॥৯॥ অদুগী তুংদা নিংথৌ অদু জ্ঞান তারক্লকুনা মন্ত্রী অদু নত্তনা লাক্লিবা অতৈ পুম্নমক পূ বিদায় তৌখি ॥১০॥ অদুগী তুংদা, নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না নিংথৌগী থোংলোই লাম্মি পুম্নমক অদু কোন্নুং তান্না চৎখি, নিংথৌ অদুদি চীংগী নৈত্তেম মাম্নবা চীংথোং অদুদা অমুক হন্না চিন্তা তৌদুনা ফমথদুনা লৈখ্রে ॥১১॥ অদুগী তুংদা মহাক্না সূর্য্যদেবগী পূজা অমদি আরাধনা তৌগে হায়বগীদমক তশেংনা মথুং অনি লোল্লদুনা, মমায় নোংথক ওন্দুনা ভুম্মিন্না ফমদুনা লৈখ্রে ॥১২॥ মপুক্লিংদা ঋষি অথোইবা বশিষ্ঠবু ধ্যান তৌখি ॥১৩॥ নিংথৌনা মতৌ অসুন্না মফম অদুদা অহিং নুংথিল চুপ্পা ঋষি অদুবু ধ্যান তৌদুনা লৈরবদা তরানিথোইনি শুবা নুমিত্তা ব্রহ্মর্ষি বশিষ্ঠ অসি মফম অদুদা লাকখি ॥১৪॥ জ্ঞানী ওইরবা অমদি ধর্ম্ম চেল্লবা মহর্ষি বশিষ্ঠনা দিব্য জ্ঞানতনা মরম ওইহনা, ধ্যান তৌহনা য়েংবদা, তপতী হায়বীদুনা নিংথৌ সম্বরণগী থম্মোইবু হুদুনা পুথরবোরে হায়বসি খংলদুনা, মহাক্নীদমক্তা অমসুং নিংথৌগী নিংবা থুংননবা নিংথৌ অদুগা ৱারি ৱাতায় ঙহাক শাই ॥১৫—১৬॥ অদুগী তুংদা নিংথৌনা উববু সূর্য্যদেবগী মতৌগুম্বা তেজ লৈরবা ভগবান বশিষ্ঠ অসি সূর্য্য মক্তা উনগে হায়বগী দমক্তা নোংথক লোমদা পাইথৎখি ॥১৭॥ অদুগী তুংদা বশিষ্ঠনা খুৎ লোল্লদুনা সূর্য্যদেবগী নাক্তা য়ৌখি অমসুং "ননাই ঐ বশিষ্ঠনি" অসুম হায়না নোল্লুক্না মশাগী পরিচয় পিখি ॥১৮॥ মতম অদুদা সূর্য্যদেবনা মুনি অথোইবা বশিষ্ঠদা হায়খি—মহর্ষি ! তরাম তরাম কৌজরি অপাম্বা করিনো হায়রিয়ু ॥১৯॥ হে পুকচেল চাউরবা ! নহাকনা ঐগী ইফমদগী কংনিংবা পোৎশক অদো কন-ম্লমনা লুবা ওইদুনসু ঐ পোয়দনা পীজগে ॥২০॥ সূর্য্যদেবনা অসুম হায়রবদা বশিষ্ঠনা খুরুমজদুনা নোললুক্না হায়খি ॥২১॥

বশিষ্ঠনা হায়খি— সূর্য্যদেব ! সাবিত্রীগী মনাও তপতী হায়না কৌবী সূর্য্যদেবগী কন্যা অসি

স হি রাজা বৃহৎকীর্ত্তির্ধর্ম্মার্থবিদ্দারবী: । সুক্তঃ সম্বরণো ভর্ত্তা দুহিতুস্তে বিহঙ্গম ! ॥২৩॥
ইত্যুক্তঃ স তদা তেন দদানীত্যেব নিশ্চিতঃ । প্রত্যভাষত তং বিপ্রং প্রতিনন্দ্য দিবাকরঃ ॥২৪॥
বরঃ সম্বরণো রাজ্ঞাং ত্বমৃষীণাং বরো মুনে ! । তপতী যোষিতাং শ্রেষ্ঠা কিমন্যদপবর্জনাৎ ॥২৫॥
ততঃ সর্ব্বানবদ্যাঙ্গীং তপতীং তপনঃ স্বয়ম্ । দদৌ সম্বরণস্যার্থে বশিষ্ঠায় মহাত্মনে ॥২৬॥
প্রতিজগ্রাহ তাং কন্যাং মহর্ষিস্তপতীং তদা । বশিষ্ঠোঽথ বিসৃষ্টস্তু পুনরেবাজগাম হ ॥২৭॥
যত্র বিখ্যাতকীর্ত্তিঃ স কুরূণামৃষভোঽভবৎ । স রাজা মন্মথাবিষ্টস্তদগতেনান্তরাত্মনা ॥২৮॥
দৃষ্ট্বা চ দেবকন্যাং তাং তপতীং চারুহাসিনীম্ । বশিষ্ঠেন সহায়ান্তীং সংহৃষ্টোঽভ্যধিকং বভৌ ॥২৯॥
রুরুচে সাধিকং সুভ্রূরাপতন্তী নভস্তলাৎ । সৌদামিনীব বিভ্রষ্টা দ্যোতয়ন্তী দিশস্ত্বিষা ॥৩০॥
কৃচ্ছ্রাদ্দ্বাদশরাত্রে তু তস্য রাজ্ঞঃ সমাহিতে । আজগাম বিশুদ্ধাত্মা বশিষ্ঠো ভগবানৃষিঃ ॥৩১॥
তপসারাধ্য বরদং দেবং গোপতিমীশ্বরম্ । লেভে সম্বরণো ভার্য্যাং বশিষ্ঠস্যৈব তেজসা ॥৩২॥
ততস্তস্মিন্ গিরিশ্রেষ্ঠে দেবগন্ধর্ব্বসেবিতে । জগ্রাহ বিধিবৎ পাণিং তপত্যাঃ স নরর্ষভঃ ॥৩৩॥
বশিষ্ঠেনাভ্যনুজ্ঞাতস্তস্মিন্নেব ধরাধরে । সোঽকাময়ত রাজর্ষির্বিহর্ত্তুং সহ ভার্য্যয়া ।৩৪॥

নিংথৌ সম্বরণগী দমক্তা হায়জগে হায়তুনা লাকচরিবনি ।২২॥ সম্বরণ হায়বা অসি মর্ত্ত্যলোকতা হৌজিক্কী মতমদা মিংচৎ চাউরবা, ধর্ম্ম অমদি অর্থ খংলবা অমত্তুং পুকচেল চাউববা নিংথৌ অমা ওইরি, মরম অত্তুনা সূর্য্যদেবগী কন্যা অসিগী মতিক চাবা বর ওইগদরা হাযনা খল্লি ॥২৩॥ সূর্য্যদেবনা মমাংতৈদগীসু সম্বরণ কৌবা নিংথৌদা কন্যাদান তৌগনি হায়না পুকনিংদা লেপথিবনি , মরম অহনা বশিষ্ঠনা অমুক অহম হায়রকপা অত্তুদা তরাম তরামনা সূর্য্যদেবনা থুম্রকই— ॥২৪॥ মহর্ষি ! সম্বরণ হায়বসি নিংথৌ পুম্নমক্তগী অথোইবনি, মুনিমকসু মুনি খিবিক্কী মরক্তগী অথোইবনি, ইচানুপী তপতীসু নুপী পুম্নমক্তগী অথোইবীনি। অস্তনা সম্বরণগী মথুক্তা ইচানুপী তপতীবু পীদবদি কনাদ পীগনি॥২৫॥ অহুগী তুংদা সূর্য্যদেব মশামকনা সম্বরণ নিংথৌগী দমক্তা য়েংঙ্, য়েংঙ্, খুদিংদা অম্বাংপা লৈতনা ফজরবী তপতীবু বশিষ্ঠগী মখুত্তা লাক্লোকখি ॥২৬॥ মহর্ষি বশিষ্ঠসু তপতী হাযনা কৌবী কন্যা অমবু তরাম তরাম্না ওক্লুনা সূর্য্যদেবগী মফমদগী বিদায় লৌতুনা মর্ত্ত্যলোকতা হল্লক্লে ॥২৭॥ মমিং চৎলবা, কুরু শাগৈগী অথোইবা নিংথৌ সম্বরণ অমু তপতীবু খন্দুনা অপাম মুংশিগী ব্রাথম্না পুমচাও ভাওরতুনা মফম অহুদা অতুম ফমহুনা লৈরম্মি ॥২৮॥ নিংথৌ অদু মিনোক ফজবী লাইবৈবাক্কী কন্যা তপতীবু বশিষ্ঠগা লোয়ননা লাকপহ উবদা খোইদোকনা মুংতাইখিতুনা হান্নদগী হেন্না ফজখি। ২৯। নিংখিজরবী তপতীসু নোংমরক্তগী ভাস্থোরকপা নোংথাংগী মতৌগুম্বা মহাক্কী মশেক্লা মায়কৈ মরি পুমডাল ভালহন্দুনা নোংমলোন্দগী কুমথরক্তুনা থোক্টদোক্লা কজবী হায়বতু ওইখি ॥৩০॥ পাংথোকপদা ষ্ট'রবা, সূর্য্যগী উপাসনাবু সুমিৎ তরানিথোয়নি চুম্না তৌরবা তুংদা, পুকচেল শেংলবা বশিষ্ঠনা তপতীবু পুরক্তুনা মফম অহুদা থুংহরে ॥৩১॥ সম্বরণ নিংথৌনা তপস্যাগী পাম্বেনা বর পীনহৈরবা সূর্য্যদেববু নীংজহনা অমদি বশিষ্ঠ মুনিগী শক্তিনা তপতীবু মহাক্কী লোযনগী ওইনা ফংখি ॥৩২॥ অহুগী তুংদা, দেবতাশিং অমদি গন্ধর্ব্ব মপৈনা থম্রবা চীংলক অতুদা সম্বরণ নিংথৌনা বিধি কায়দনা তপতীবু বিবাহ তৌহনা লৌখি ॥৩৩॥ অহুগী তুংদা, বশিষ্ঠগী য়াথং মতুংইন্না নিংথৌ সম্বরণনা চীং অতুদা লৈলন্ লৈনা মতম

ততঃ পুরে চ রাষ্ট্রে চ বনেষুপবনেষু চ। আদিদেশ মহীপালস্তমেব সচিবং তদা।৩৫।।
নৃপতিং ত্বভ্যনুজ্ঞাপ্য বশিষ্ঠোঽথাপচক্রমে। সোঽথ রাজা গিরৌ তস্মিন্ বিজহারামরো যথা।।৩৬।।
ততো দ্বাদশ বর্ষাণি কাননেষু বনেষু চ। রেমে তস্মিন্ গিরৌ রাজা তয়ৈব সহ ভার্য্যয়া।।৩৭।।
তস্য রাজ্ঞঃ পুরে তস্মিন্ সমা দ্বাদশ সত্তম। ন ববর্ষ সহস্রাক্ষো রাষ্ট্রে চৈবাস্য ভারত।।৩৮।।
ততস্তস্যামনাবৃষ্ট্যাং প্রবৃত্তায়ামরিন্দম। প্রজাঃ ক্ষয়মুপাজগ্মুঃ সর্ব্বাঃ সস্থাণুজঙ্গমাঃ।। ৩৯ ।।
তস্মিংস্তথাবিধে কালে বর্ত্তমানে সুদারুণে। নাবশ্যায়ঃ পপাতোর্ব্ব্যাং ততঃ শস্যানি নারুহন্।৪০।
ততো বিভ্রান্তমনসো জনাঃ ক্ষুদ্ভয়পীড়িতাঃ। গৃহাণি সম্পরিত্যজ্য বভ্রমুঃ প্রদিশো দিশঃ।৪১।
ততস্তস্মিন্ পুরে রাষ্ট্রে ত্যক্তদারপরিগ্রহাঃ। পরস্পরমমর্য্যাদাঃ ক্ষুধার্ত্তা জঘ্নিরে জনাঃ।৪২।
তৎক্ষুধার্ত্তৈর্নিরাহারৈঃ শবভূতৈস্তথা নরৈঃ। অভবৎ প্রেতরাজস্য পুরং প্রেতৈরিবাবৃতম্।৪৩।
ততস্তত্তাদৃশং দৃষ্ট্বা স এব ভগবানৃষিঃ। প্রত্যপদ্যত ধর্ম্মাত্মা বশিষ্ঠো মুনিসত্তমঃ।।৪৪।।
তঞ্চ পার্থিবশার্দ্দূলমানয়ামাস তং পুরম্। তপত্যা সহিতং রাজন্! বর্ষ দ্বাদশমগতম্।
ততঃ প্রবৃত্তস্তত্রাসীদ্যথাপূর্বং সুরারিহা।। ৪৫ ।।
তস্মিন্ নৃপতিশার্দ্দূলে প্রবিষ্টে নগরং পুনঃ প্রববর্ষ সহস্রাক্ষঃ শস্যানি জনয়ন্ প্রভুঃ।। ৪৬ ।।

থবদং তপতীগা লোয়ননা হবাও তয়াম্না শান্নহনা লৈগে হায়না থনখি।।৩৪।। অদুদগী, নিংথৌনা মন্ত্রী অদুদা লৈপাক, কোম্মুং, প্রজাশিং, বন, উপবন পুম্নমক যেংননবা ডাক শেন্ননবা চৎলো হায়না য়াথং পিখি।।৩৫।। অদুগী তুংদা বশিষ্ঠম্না নিংথৌদা যাথং পিরম্নগা চৎখ্রে, নিংথৌম্না তপতীগা লোয়ননা চীংলক অদুদা লৈহৌদুনা দেবতাগী মতৌগুম্না নুংঙাযনা শান্নহনা লৈখি।।৩৬।। মতৌ অমুম্না নিংথৌনা চহি তরানিথোই চুপ্পা চীংলক অদুদা বন উপবন খিবিক্তা লোয়নবীগা লোয়ননা শান্নহনা মতম লেনখি।।৩৭।। ভরত শাগৈগী অথোইবা অর্জ্জুন! হায়রিবা চহি তরানিথোই অসিগী মনুংদা নিংথৌ অদুগী লৈবাক্তা অমদি কোম্মুংদা নোংচুবা হায়বা লৈখিদবে।।৩৮।। মতম কুইনা নোংতাখিদ্রবা অদুক চত্ত লৈরিবা অমসুং প্রজানাচিংবা পুম্নমক নোংমা নোংমগী অমম্মম মাংথরকলে অমদি মশীং হন্থরক্লে।।৩৯।। অসিগুম্বা অকিবগী মশক ফংলবা মতম অসিদা লিক্তা মরিক অমা ফাউবা লৈমাইথক্তা তাখিদবে, হৈ লৈ পাম্বী অমা ফাউনা হৌখিদবে।।৪০।।

অসিগুম্বা থেৈদোক অসিনা মী পুম্নমক অসি অরাম্ব খোরাংবনা লৈকম চাকম খংদহনা, ময়ুম মকৈ থাদোক্লুনা মাযকৈ মরিমক্তা মফম মবাং খংনদনা কোইচৎ চৎনবা হৌরক্লে।।৪১।। লৈবাক অদুগী অমসুং কোম্মুং অদুদা লৈরিবা মী পুম্নমক চানিংঙায় লৈতদুনা লাম্বনা মতু মচা শাগৈনাতে পুম্নমক হন্দোক্লুনা মানা মানা থোকপা মফমদা চৎনখিহনা তৌফম-চাফম খংদনা তু তুদুনা লৈনখি।।৪২।। লাম্বনা চরীতৎলবা অমসুং চরা হেননা অশিবগা পাংথক ওইরবা মীশিং অদুনা থল্লবা কোম্মুং অদু ভূৎপ্রেতনা থল্লবা যমালয়গী মশক ওইখ্রে।।৪৩।। অদুগী তুংদা কোম্মুং অদুগী মশক উবদা ধর্ম্ম চেন্নবা মুনি অথোইবা বশিষ্ঠনা মফম অদুদা থুংখি।।৪৪।। চহি তরানিথোই চুপনা মতম লেললুরবা তুংদা তপতীগা লোয়ননা নিংথৌ সম্বরণবু বশিষ্ঠনা কোম্মুংদা পুরকখি, অদুদগীদি দেবরাজ ইন্দ্রনা হান্নগী মতৌগুম্না লৈবাক অদুদা মতম চানা নোং চুথহনখি।।৪৫।। সম্বরণ নিং-

তত সম্রাট্‌ মুমুদে তং পুরং পরমা মুদা। তেন পার্থিবমুখ্যেন ভাবিতং ভাবিতাত্মনা ॥৪৭॥
ততো দ্বাদশ বর্ষাণি পুনরীজে নরাধিপঃ। তপত্যা সহিতঃ পত্ন্যা যথা শচ্যা মরুৎপতিঃ ॥৪৮॥
এবমাসীন্মহাভাগা তপতী নাম পৌর্ব্বিকী। তব বৈবস্বতী পার্থ। তাপত্যস্ত্বং যয়া মতঃ ॥৪৯॥
তস্যাং স জনয়ামাস কুরুং সম্বরণো নৃপঃ। তপত্যাং তপতাং শ্রেষ্ঠ। তাপত্যস্ত্বং ততোঽর্জ্জুন। ॥৫০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিকামাদিপর্ব্বণি
চৈত্ররথে তাপত্যং নাম ষট্‌ষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—.(0)—

থোনা কোম্মুংদা চংখ্রবা ইন্দ্রদা দেবরাজনা মথল মখা অযাম্বা মহৈ মবোং পুম্নমক চুম্নন্দুনা মতম চানা নোং তাহনখি ॥৪৬॥ মপুকচেল মক্তবা নিংথৌ সম্বরণনা হায়গুম্না মবাইবক ফরক্কবদা লৈবাক অমস্তুং কোম্মুংগী মী পুম্নমক থোইদোক্না মুংহায়নখি ॥৪৭॥ অদুগী তুংদা শচী দেবীগা লোয়নববা দেবরাজ ইন্দ্রগী মতৌগুম সম্বরণ কৌবা নিংথৌনা তপতীগা লোয়নননা চহি তরানিথোই চুপনা তৌবা যজ্ঞ লিংখৎখি ॥৪৮॥ অর্জ্জুন। নংনা পোক্তিবৈদগী পোকথরবী হুমিংকী মচাহুপী তপতী হায়বীদো মরাইবক ফবী মুপী ওমা ওইখি, মহাক্কী মমিংদগী নহাকস্ম "তাপত্য" হায়বদু ওইরবনি ॥৪৯॥ অকনবা খিবিক্কী অথোইবা ওইরবা অর্জ্জুন। হায়বিবী তপতী অসিগী গর্ভদা নিংথৌ সম্বরণগী "কুরু" কৌবা মচানিপা ওমা পোকখি। তপতীগী শাগৈদা পোকই হায়দুনা নংবু ঐহাক্না তাপত্য অমুম হায়না কৌবনি ॥৫০॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা চৈত্ররথগী মনুংদা তাপত্য কৌবা চামগা হুমফুতরুক শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্‌

(বশিষ্ঠগী ৱাবী)

(চামা হুমফুতরেৎশুবা অধ্যায়)

——:(†)——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

স গন্ধর্ব্ববচঃ শ্রুত্বা তত্তদা ভরতর্ষভ!। অর্জ্জুনঃ পরয়া প্রীত্যা পূর্ণচন্দ্র ইবাবভৌ ॥১॥
উবাচ চ মহেষ্বাসো গন্ধর্ব্বং কুরুসত্তমঃ। জাতোঽস্তি কুতূহলোঽতীব বশিষ্ঠস্য তপোবলাৎ ॥২॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— গন্ধর্ব্বগী মচিন্দগী ৱা অসি তাবদা অর্জ্জুন অসি থোইদোক্না মুংঙায়খিবনা মহাক্কী মায়থোং অদু মপুংফারবা থাজগুম নিংথিজখি ॥১॥ কুরু শাগৈগী অথোইবা, লীরুং পায়বগী অলোইবা অর্জ্জুননা বশিষ্ঠগী তপস্যাগী শক্তি অদু তাবদা থোইদোক্না থংনিংবা তানিংবগা লোয়নননা

বশিষ্ঠ ইতি যচ্চৈতদৃষের্নাম ত্বয়েরিতম্। এতদিচ্ছাম্যহং শ্রোতুং যথাবত্তদ্বদস্ব মে ॥৩॥
য এষ গন্ধর্ব্বপতে! পূর্ব্বেষাং নঃ পুরোহিতঃ। আসীদেতন্মমাচক্ষ্ব ক এষ ভগবানৃষিঃ ॥৪॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

ব্রহ্মণো মানসঃ পুত্রো বশিষ্ঠোঽরুন্ধতীপতিঃ। তপসা নির্জ্জিতৌ শশ্বদজেয়াবমরৈরপি ॥৫॥
কামক্রোধাবুভৌ যস্য চরণৌ সংববাহতুঃ। ইন্দ্রিয়াণাং বশকরো বশিষ্ঠ ইতি চোচ্যতে ॥৬॥
যথা কামশ্চ ক্রোধশ্চ নির্জ্জিতাবজিতৌ নরৈঃ। জিতারয়ো জিতা লোকাঃ পন্থানশ্চ জিতা দিশঃ ॥৭॥
যস্তু নোচ্ছেদনং চক্রে কুশিকানামুদারধীঃ। বিশ্বামিত্রাপরাধেন ধারয়ন্ মন্যুমুত্তমম্ ॥৮॥
পুত্রব্যসনসন্তপ্তঃ শক্তিমানপ্যশক্তবৎ। বিশ্বামিত্রবিনাশায় ন চক্রে কর্ম্ম দারুণম্ ॥৯॥
মৃতাংশ্চ পুনরাহর্ত্তুং যঃ স পুত্রান্ যমক্ষয়াৎ। কৃতান্তং নাতিচক্রাম বেলামিব মহোদধিঃ ॥১০॥
যং প্রাপ্য বিজিতাত্মানং মহাত্মানং নরাধিপাঃ। ইক্ষ্বাকবো মহীপালা লেভিরে পৃথিবীমিমাম্ ॥১১॥
পুরোহিতমিমং প্রাপ্য বশিষ্ঠমৃষিসত্তমম্। ঈজিরে ক্রতুভিশ্চৈব নৃপাস্তে কুরুনন্দন! ॥১২॥

গন্ধর্ব্বদা হায়খি ॥২॥ মরূপ! নহাক্না মহাক বশিষ্ঠ হায়না নিং শিনখিবা অদুদা মুনি অসিগা মরমদা অমুক খোঙনা হেন্না তানিংলে, মরম অদুনা এইখোয়দা মুনি অসিগী মরমদা অমুক্তা শুগায়না লীবিয়ু ॥৩॥ গন্ধর্ব্বগী নিংথৌ! এইখোয়গী মমাংলৈগী ঙাইদা পুরোহিত ওইখিবা মহাক অসি কনানো? মহাক্কী হৌরকফম করিনো? মাদু লীবিয় ॥৪॥ গন্ধর্ব্বনা হায়খি— বশিষ্ঠ হায়বসি ব্রহ্মাগী পুক্নিংদগী পোকখিবা মচানি অমগা অরুন্ধতীগী মপুরোইবনি, মহাক্না তপস্যাগী পাঙ্গলনা দেবতাশিংবু অমদি ঙমকত্রবা অপাম মুংশি অমমং অশাওবা কোববু জয় তৌই; মরম অদুনা কাম অমদি ক্রোধবু মীনাইগী মতৌগুম্না শিজিন্নখি অমসুং ইন্দ্রিয় খিবিকপু মথা পোলহনবা ঙমখি হায়বগী দমক মহাকপু বশিষ্ঠ হায়না কৌনখি ॥৫—৬॥ *

মহাক্না মীওইবনা ঙমফত্রবা অপামবা অমদি অশাওববু জয় তৌখিবা অদুগুম্না অপাম্বা, অশাওবা, কল্লকপা, মীবু তুক্কচবা, য়েংখিবা মথোয় অসিগী লম্বী অমদি মায়কৈ শিংবুসু লোইনা জয় তৌখি ॥৭॥ পুকচেল চাউরবা মহর্ষি অসিনা খোইদোকনা শাউবগী ঈচেলবু থীংহনা বিশ্বামিত্রগী মরান লৈরবা অদু ফাউবা মহাক্কী কুশিক বংশবু মাংহনখিবা তৌখিরে ॥৮॥ মচা হাৎখিনগী কা হেন্না শাওরবা ফাউরবদা অমসুং মহুগী লম্মন থুম্বা ঙম্বা-চম্বা পাংদবগুম্না বিশ্বামিত্রগী মাংননবা করিগুম্বা অকিবগী মশক ফংলবা থবক অমতা তৌবা লৈখিদে ॥৯॥ মহাক্না যমালয়দগী শিথরবা মচাশিংবু অমুক হন্না পুরক্কে হায়বগীদমক, সমুদ্রনা চাংজৌবু থক লাম্থোক্কবগুম্না যমগী শক্তি অমদি নিয়মবু থক লাম্থোকপা তৌখিদে ॥১০॥ ইক্ষাকু বংশগী নিংথৌশিংনা ইন্দ্রিয় থুহম চম্বা, পুকচেল চাউরবা মহর্ষি অসিবু কুল পুরোহিত ওইনা ফংজবা অসিদা পৃথিবী অসিবু মপাং কানা শাসন তৌবা ঙমখিবনি ॥১১॥ হায়রিবা ইক্ষ্বাকু বংশগী নিংথৌশিং অদুনা ঋষি অথোইবা অসিবু পুরোহিত

টিপ্পনী— বশ্+ই+ষ্ঠ অহুম অসিনা বশিষ্ঠ থোকই। বশ্ ধাতুগী অর্থদি মথাপোম লৈবা হায়বনি। ইনা মাংথরনা লকাগী মহুত্তা ষকার ওইখিবনা থগী মহুত্তা ঠ ওইখিবনি।

স হি তান্ যাজয়ামাস সর্ব্বান্ নৃপতিসত্তমান্। ব্রহ্মর্ষিঃ পাণ্ডবশ্রেষ্ঠ! বৃহস্পতিরিবামরান্ ॥ ১৩॥
তস্মাদ্ধর্ম্মপ্রধানাত্মা বেদধর্ম্মবিদীপ্সিতঃ। ব্রাহ্মণো গুণবান্ কশ্চিৎ পুরোধাঃ প্রতিদৃশ্যতাম্ ॥১৪॥
ক্ষত্রিয়েণাভিজাতেন পৃথিবীং জেতুমিচ্ছতা। পূর্ব্বং পুরোহিতঃ কার্য্যঃ পার্থ! রাজ্যাভিবৃদ্ধয়ে ॥১৫॥
মহীং জিগীষতা রাজ্ঞা ব্রহ্ম কার্য্যং পুরঃসরম্। তস্মাৎ পুরোহিতঃ কশ্চিৎ গুণবান্ বিজিতেন্দ্রিয়ঃ।
বিদ্বান্ ভবতু বো বিপ্রো ধর্ম্মকামার্থতত্ত্ববিৎ ॥ ১৬ ॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
চৈত্ররথে বাশিষ্ঠে যাত্রা সপ্তষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(*):——

ওইনা ফংজতুনা মথল-মথা অযামবা যজ্ঞ মপুং ফানা তৌবা ঙমখি ॥১২॥ বৃহস্পতি দেবতা পুমনমক তৌহনখিবা অদুগুমদুনা ব্রহ্মর্ষি ওইরবা বশিষ্ঠনা সূর্য্যবংশগী নিংথৌ পুমনমকপু যজমান ওইহন্দুনা যজ্ঞ তৌহনখি ॥১৩॥ মরম অদুনা মরূপ! ধর্ম্ম চেন্নবা, বেদ খংলবা, গুণ চেন্নবা, কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ অমবু কুল পুরোহিত ওইহন্নবা নখোয়না থীযু ॥১৪॥ অর্জ্জুন! পৃথিবী পুমববু ঙমনিংবা অচৌবা শাগৈদা পোকলবা ক্ষত্রিয়শিংনা লৈবাক্কী চাউখৎনবগীদমক্তা থবক অতৈ অমা তৌত্রিঙৈদা ইহান হানবদা পুরোহিতবু হান্না থন্দুনা হাপহোগদোবনি ॥১৫॥ নিংথৌনা পৃথিবী পুমনমক জয় তৌনিংলবদি বেদ খংবা ব্রাহ্মণবু মাংথানা পুগদবনি। মরম অদুনা ধর্ম্ম, লল অমসুং অপামবা হায়বত্তুগী মরমবু মমুৎ তানা খংলবা, হৈববা, ইন্দ্রিয় থুত্তুম চান্নবা অমসুং গুণ চেন্নবা কনাগুমবা ব্রাহ্মণ অমবু পুরোহিত ওইহলু ॥১৬॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অদিপর্ব্বদা চৈত্ররথদাগী মসুংদা বাশিষ্ঠ কৌবা চামগা হুম্ফু তরেৎ শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম্

(বিশ্বামিত্রনা মাইথিবা ফংবগী মতাং)

(চামা হুম্ফু নিপাল শুবা অধ্যায়)

——:(॰):——

অর্জ্জুন উবাচ।

কিংনিমিত্তমভূদ্বৈরং বিশ্বামিত্রবশিষ্ঠয়োঃ। বসতোরাশ্রমে দিব্যে শংস নঃ সর্বমেব তৎ ॥১॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

ইদং বাশিষ্ঠমাখ্যানং পুরাণং পরিচক্ষতে। পার্থ! সর্ব্বেষু লোকেষু যথাবত্তন্নিবোধ মে ॥২॥

কান্যকুব্জে মহানাসীৎ পার্থিবো ভরতর্ষভ!। গাধীতি বিশ্রুতো লোকে কুশিকস্যাত্মসম্ভবঃ ॥৩॥

তস্য ধর্ম্মাত্মনঃ পুত্রঃ সমৃদ্ধবলবাহনঃ। বিশ্বামিত্র ইতি খ্যাতো বভূব রিপুমর্দ্দনঃ ॥৪॥

স চচার সহামাত্যো মৃগয়াং গহনে বনে। মৃগান্ বিধ্যন্ বরাহাংশ্চ রম্যেষু মরুধন্বসু ॥৫॥

ব্যায়ামকর্ষিতঃ সোঽথ মৃগলিপ্সুঃ পিপাসিতঃ। আজগাম নরশ্রেষ্ঠ! বশিষ্ঠস্যাশ্রমং প্রতি ॥৬॥

তমাগতমভিপ্রেক্ষ্য বশিষ্ঠঃ শ্রেষ্ঠভাগৃষিঃ। বিশ্বামিত্রং নরশ্রেষ্ঠং প্রতিজগ্রাহ পূজয়া ॥৭॥

পাদ্যার্ঘ্যাচমনীয়েন স্বাগতেন চ ভারত। তথৈব প্রতিজগ্রাহ বন্যেন হবিষা তথা ॥৮॥

তস্যাথ কামধুগ্ধেনুর্বশিষ্ঠস্য মহাত্মনঃ। উক্তা কামান্ প্রযচ্ছেতি সা কামান্ দুদুহে ততঃ ॥৯॥

অর্জ্জুননা হায়খি—বশিষ্ঠগা বিশ্বামিত্রগা অনি অসিদি তপোবন অমতা [illegible]; [illegible] মখোয় অনি অত্ত থীমা য়েংথিনখি্রবত্ত করিনগীনো ? পুরমক অসি অমুক্ত ঐখোয়দা [illegible] ॥১॥ গন্ধর্ব্বনা হায়—অর্জ্জুন ! অদাৎ পুরাণগী মী পুরমকনা বশিষ্ঠগী [illegible] অসি [illegible] [illegible] হায়রে। মাহু নত্তক চপচানা ঐগী ইকয়নগী তাও ॥২॥ কান্যকুব্জদা কুশিক নিংথৌগী মচা গাধি [illegible] কৌবা অপন্বা কাঙরবা নিংথৌ অমা পাম্লম্মি ॥৩॥ ধর্ম্ম [illegible] গাধি কৌবা নিংথৌ অদুগী বিশ্বামিত্র কৌবা মচা পোখি, হায়রিবা বিশ্বামিত্র অমিগী শাঙোং রথ [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] অদি [illegible] [illegible] নিপা [illegible] [illegible] ॥৪॥ [illegible] বিশ্বামিত্র অমিনা [illegible] য়োয়নমা [illegible] [illegible] চংতুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] কাওবা, [illegible] [illegible] ॥৫॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বিশ্বামিত্রনা [illegible] [illegible] বশিষ্ঠগী [illegible] [illegible] ॥৬॥ [illegible] [illegible] মহর্ষি বশিষ্ঠনা [illegible] [illegible] [illegible] বিশ্বামিত্রনা [illegible] উবনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥৭॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বিশ্বামিত্রদা অতিথি সেবা তৌখি ॥৮॥ [illegible] [illegible] বশিষ্ঠ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]; বশিষ্ঠনা কামধেনুদা চংশিনদুনা হায়রকই—[illegible] [illegible] পোৎ পুরমক [illegible] পীয়ু।

বাষ্পাঢ্যস্তৌদনস্তৈব রাশয়ঃ পর্ব্বতোপমাঃ। নিষ্ঠানানি চ সূপাংশ্চ দধিকুল্যাস্তথৈব চ ॥১০॥
কূপাংশ্চ ঘৃতসম্পূর্ণান্ গৌড্যান্নানি সহস্রশঃ। ইক্ষূন্ মধূনি লাজাংশ্চ মৈরেয়াংশ্চ বরাসবান্ ॥১১॥
গ্রাম্যারণ্যাশ্চৌষধীশ্চ দুদুহে পয় এব চ। ষড়্রসঞ্চামৃতনিভং রসায়নমনুত্তমম্ ॥১২॥
ভোজনীয়ানি পেয়ানি ভক্ষ্যাণি বিবিধানি চ। লেহ্যান্যমৃতকল্পানি চোষ্যাণি চ তথার্জ্জুন ! ॥১৩।
রত্নানি চ মহার্হাণি বাসাংসি বিবিধানি চ। তৈঃ কামৈঃ সর্ব্বসম্পূর্ণৈঃ পূজিতশ্চ মহীপতিঃ।
সামাত্যঃ সবলশ্চৈব তুতোষ স ভৃশং তদা ॥১৪॥ (কুলকম্)
ষড়ুন্নতাং সুপার্শ্বোরুং পৃথুপঞ্চসমাবৃতাম্। মণ্ডূকনেত্রাং স্বাকারাং পীনোধসমনিন্দিতাম্ ॥১৫॥
সুবালধিং শঙ্কুকর্ণাং চারুশৃঙ্গাং মনোরমাম্। পুষ্টায়তশিরোগ্রীবাং বিস্মিতঃ সোঽভিবীক্ষ্য তাম্ ॥১৬॥
অভিনন্দ্য স তাং রাজন্ ! নন্দিনীং গাধিনন্দনঃ। অব্রবীচ্চ ভৃশং তুষ্টঃ স রাজা তমৃষিং তদা ॥১৭॥
অর্ব্বুদেন গবাং ব্রহ্মন্ ! মম রাজ্যেন বা পুনঃ নন্দিনীং সম্প্রযচ্ছস্ব ভুঙ্ক্ষ্ব রাজ্যং মহামুনে ! ॥১৮॥

অদুগী তুংদা কামধেনুনা বশিষ্ঠনা পামলিবা পোৎ পুমনমক অদু পী ॥৯॥ চীংমুক চাউনা পৈরবা ফোংফোং শারবা চাক্কী মপৈ, মথল মথা অয়ামবা হাউর হাউরবা য়েঙ্গাং, হবাই, শঙ্গোম মপালগী পিরু-পিরুবা তুরেনগুম্বা ঈচেল, ঘীনা থল্লবা কোম, চিনি অঙাংবগা লোয়ননা থোংলবা চাক মথল লিশিং লিশিং, চুহি, থোহি, কবোক্কী মথল, হৈথোংবা মথল মথল, থুলক্কা অমদি যুনদা হৌবা চাবদা হকচাংদা য়ামনা কান্নবা হিদাককুম্বা মনা-মশিংনা থোংবা য়েঙ্গাং, শঙ্গোম, অমৃতগুম্বা মহাও মথল তকক, অমগা অমগা য়ানখাইনদুনা থোংবা য়েঙ্গাং মথল-মথল, থকপা য়াবা, শায়দুনা চাগদবা, লেক্কুনা চাগদবা, চুপ্পুনা চাগদবা, মমল য়ম্ন-য়াম্নবা মণি-মুক্তা অমদি ফীরোন মথল-মথল কামধেনুনা পুথোক্কুনা পীখি। মতম অদুদা বশিষ্ঠনা পোৎচৈশিং অদুনা বিশ্বামিত্রগী অতিথি সেবা তৌখি, মতম অদুদা বিশ্বামিত্রস্সু মন্ত্রী পুন্নমক অমসুং লাশ্মী তেঙ্গোল পুন্নমক্কা লোয়ননা থোইদোক্না পেনখি॥১০ ১৪॥

কোক মরুম্নাচিংবা নিংথিজরবা হকচাংগী কায়াৎ তকক লাইরক্নাচিংবা পাক চাউরবা কায়াৎ মঙা (*) হভোয়গী মমিৎকুম তোংলবা কোইরাউনরবা মিৎ অনি, খোঙ্গী কারবা তোংলবা থোমজিন, পুক্নিং হুনবগী মশক ওইরবা মচি অনি অমসুং মমৈ, চুমলবা মচিল তুমলবা মনা অনি, মকোক অমসুং নোয় চাউরবা মখোরী চরম ওসিনাচিংবা নিন্দা তৌনিংভায় শরুক য়াওরবী ফজরবী, থোকউ হায়রবদা থোকহনবী কামধেনু অদু উবদা বিশ্বামিত্রগী পুকনিংদা অঙকপা থোকখি ॥১৫—১৬॥ মতম অদুদা নিংথৌ বিশ্বামিত্রনা যণবী অদুবু থোইদোকনা থাগৎলগা থোইদোকনা পেনখ্রুনা বশিষ্ঠদা হায়রকই ॥১৭॥ মহর্ষি। য়াম্রবা যণবী ময়াম অমসুং ঐগী লৈবাক অসি ঐহোন্দগী লৌবিরগা মহর্ষিগী

(*)টীকা—কোক্নচিংবা কায়াৎ তরুক হায়বদি—কোক, মঙকশম, মখৈগল, মথা, মমৈ, মথোম অসিনি। লাইবকনাচিংবা কায়াৎ মঙা হায়বনা লাইবক, মনাকোং অনি, মশ্নিং অনি অনিনি। ছিত্র লৈরবা যণবী হায়রিবা কায়াৎশিং অসিদা অয়াংপা তমত্তা লৈরোইদবনি।

বশিষ্ঠ উবাচ।

দেবতাতিথিপিত্রর্থমিজ্যার্থঞ্চ পয়স্বিনী। অদেয়া নন্দিনীয়ং বৈ রাজ্যেনাপি তবানঘ ! ॥১৯॥

বিশ্বামিত্র উবাচ।

ক্ষত্রিয়োঽহং ভবান্ বিপ্রস্তপঃস্বাধ্যায়সাধনঃ। ব্রাহ্মণেষু কুতো বীর্য্যং প্রশান্তেষু ধৃতাত্মসু ॥২০॥

অর্ব্বুদেন গবাং যস্ত্বং ন দদাসি মমেপ্সিতম্। স্বধর্ম্মং ন প্রহাস্যামি নেষ্যামি চ বলেন গাম্ ॥২১॥

বশিষ্ঠ উবাচ

বলস্থশ্চাসি রাজা চ বাহুবীর্য্যশ্চ ক্ষত্রিয়ঃ। যথেচ্ছসি তথা ক্ষিপ্রং কুরু মা ত্বং বিচারয় ॥২২॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

এবমুক্তস্তদা পার্থ! বিশ্বামিত্রো বলাদিব। হংসচন্দ্রপ্রতীকাশাং নন্দিনীং তাং জহার গাম্ ॥২৩॥

কশাদণ্ডপ্রতিহতা কাল্যমানা ততস্ততঃ। হম্বায়মানা কল্যাণী বশিষ্ঠস্যাথ নন্দিনী ॥২৪॥

আগম্যাভিমুখী পার্থ! তস্থৌ ভগবদুন্মুখী। ভৃশঞ্চ তাড্যমানা বৈ ন জগামাশ্রমাত্ততঃ ॥২৫॥

বশিষ্ঠ উবাচ।

শৃণোমি তে রবং ভদ্রে! বিনদন্ত্যাঃ পুনঃ পুনঃ। হ্রিয়সে ত্বং বলাত্ত্বং দ্বি! বিশ্বামিত্রেণ নন্দিনি!।

কিং কর্ত্তব্যং ময়া তত্র ক্ষমাবান্ ব্রাহ্মণো হ্যহম্ ॥২৬॥

কামধেনু অসি ঐভোন্দা পীবিরো, লৈবাক অসিগী নিংথৌ ওইহনা রাজ ভোগ ফংবিয়ু ॥১৮॥ অাসি তাবদা বশিষ্ঠনা হায়রকই মহারাজ! স্বর্গাগী লাইয়াম, অতিথি অমদি পিতৃলোক্কী পেম্নবগী থবক অমসুং যজ্ঞনচিংবা পুমনমক নিংথিনা পাংথোকনবগী দমক মহারাজগী লৈবাক লৌয় ফাউবদা থোইনা খোমথোকপী. ঐগী যণবী অসিদি অমদা থক পীথোকপা য়াবোই ॥১৯॥ বিশ্বামিত্রনা হায়রকই— ঐদি ক্ষত্রিয়নি. অদুগা মহর্ষিনা তপস্যা তৌবা, বেদ পাঠদা পুকনিং চংলবা ব্রাহ্মণ অম'নি। অদুনা অতপ্পা গুণনা তিল্লবা অমসুং ইন্দ্রিয় থুংম চল্লবা ব্রাহ্মণগী মফমদা ক্ষত্রিয় অমগা শীংমনবা পাঙ্গল কদায়দা লৈ গে? ॥২০॥ মহর্ষি! নিংথৌ ঐ মকনা যণবী য়ামনা পীগে হায়না হাযজরফাউবদা মহর্ষিনা ঐনা প.ম্বা পোৎ পীবিদ্রে; অহনা ঐহাকসু ক্ষত্রিয়গী হৌনবী ধর্ম্ম থাদোকচররোই, অগ্গনা মহর্ষিগী যণবী অসি নমদুনা লৌগনি ॥২১॥

বশিষ্ঠনা হায— মহারাজ! মহারাজদি লাম্মী তেঙ্গোম্ম! ইকোয় কোয়শিল্লিবা পাঙ্গল কল্লবা ক্ষত্রিয় নিংথৌ অমনি। মরম অদুনা মহারাজনা অপাম্বদু হৌজিকমক থুনা য়াংনা তৌবিয়ু ॥২২॥ য়ারী লীরিবা গন্ধর্ব্বনা হায়— অর্জ্জুন! বশিষ্ঠনা অসুম হায়রক্লবদা বিশ্বামিত্রনা কাংজ অমদি থাগী মতৌগুমনা ঙৌরবী যণবী অদু নমদুনা মুন্দুনা পূরে ॥২৩॥ যণবী অদদা শাজেনা ফুদুনা অমদগী অমদা কোয়চাং চিংহনা পুগদবগী য়ামনা কম্না হোৎনৈ। অদুবু কামধেনু অদু বশিষ্ঠ য়োমদা হোৎচিন্দুনা য়েংদুনা লেপ্তুনা লৈরে। কনা য়ামনা ফুরবসু যণবী অদু বশিষ্ঠগী আশ্রম অহদগী করিমত্তা লেংবা লৈৎদ্রে ॥২৪—২৫॥ বশিষ্ঠনা কামধেনুদা হায়রকই— যণবী! বিশ্বামিত্রনা নহাকপু নমদুনা কাহনা পুরি; নহাকনসু হম্না হম্না থম্মোয় শোকনা কপলি, নহাকনা কম্নদুসু ঐনা মুম্না তারি, অদুবু ইবেম্মা! হৌজিক ঐগী করি তৌনীংঙাই লৈবগে? ঐসু মী অমনা লামবা পুম্বা থাংহৈবা ব্রাহ্মণ অম ওইকরেদো

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

সা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। বিশ্বামিত্রভয়োদ্বিগ্না বশিষ্ঠং [illegible] ॥২৭॥

গৌরুবাচ।

[illegible] [illegible] [illegible]। বিশ্বামিত্রবলৈর্ঘোরৈর্ভগবন্ ! কিমুপেক্ষসে ॥২৮॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

নন্দিন্যামেবং ক্রন্দন্ত্যাং ধর্ষিতায়াং মহামুনিঃ। ন চুক্ষুভে তদা ধৈর্য্যান্ন চচাল ধৃতব্রতঃ ॥২৯॥

বশিষ্ঠ উবাচ।

ক্ষত্রিয়াণাং বলং তেজো ব্রাহ্মণানাং ক্ষমা বলম্। ক্ষমা মাং ভজতে যস্মাদগম্যতাং যদি রোচতে ॥৩০॥

গৌরুবাচ।

কিন্নু [illegible] [illegible]! [illegible] [illegible]। অত্যক্তাহং [illegible] ব্রহ্মন্ ! নেতুং শক্যা ন বৈ বলাৎ ॥৩১॥

বশিষ্ঠ উবাচ।

ন ত্বাং ত্যজামি কল্যাণি ! স্থীয়তাং যদি শক্যতে। দৃঢ়েন দাম্না বদ্ধৈষ বৎসস্তে হ্রিয়তে বলাৎ ॥ ৩২ ॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

স্থীয়তামিতি তচ্ছ্রুত্বা বশিষ্ঠস্য পয়স্বিনী। ঊর্দ্ধাঞ্চিতশিরোগ্রীবা প্রবভৌ রৌদ্রদর্শনা ॥৩৩॥

ক্রোধরক্তেক্ষণা সা গৌর্হাম্বারবঘনস্বনা। বিশ্বামিত্রস্য তৎ সৈন্যং ব্যদ্রাবয়ত সর্ব্বশঃ ॥ ৩৪ ॥

[illegible] গন্ধর্ব্বনা হায়— অর্জ্জুন। মখৈ [illegible] মতম [illegible] বিশ্বামিত্র [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হোৎচিন্নকই ॥২৭॥ মখৈ [illegible] বশিষ্ঠদা হায়রকই— তপস্যাতনা [illegible] [illegible] [illegible]। বিশ্বামিত্রগী [illegible] গন্ধর্ব্বনা হায়— অর্জ্জুন। বিশ্বামিত্রনা [illegible] কায়দে ॥২৯॥ বশিষ্ঠনা হায়রকই— ক্ষত্রিয়গী পাঙ্গল মপাঙ্গল মথৌনা, ব্রাহ্মণগী পাঙ্গল [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥৩০॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥৩১॥ বশিষ্ঠনা হায়রকই— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥৩২॥ গন্ধর্ব্বনা হায়— [illegible] [illegible] [illegible] বশিষ্ঠগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥৩৩

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। বিশ্বামিত্রগী

কশাগ্রদণ্ডাভিহতা কাল্যমানা ততস্ততঃ। ক্রোধরক্তেক্ষণা ক্রোধং ভূয় এব সমাদধে ॥৩৫॥
আদিত্য ইব মধ্যাহ্নে ক্রোধদীপ্তবপুর্বভৌ। অঙ্গারবর্ষং মুঞ্চন্তী মুহুর্বালধিতো মহৎ ॥ ৩৬ ॥
অসৃজৎ পহ্লবান্ পুচ্ছাৎ প্রস্রবাদ্দ্রবিড়াঞ্ছকান্। যোনিদেশাচ্চ যবনান্ শকৃতঃ শবরান্ বহূন্ ॥৩৭॥
মূত্রতশ্চাসৃজৎ কাংশ্চিচ্ছবরাংশ্চৈব পার্শ্বতঃ। পৌণ্ড্রান্ কিরাতান্ যবনান্ সিংহলান্ বর্বরান্ খশান্ ॥৩৮॥
চিবুকাংশ্চ পুলিন্দাংশ্চ চীনান্ হূনান্ সকেরলান্। সসর্জ ফেনতঃ সা গৌর্ম্লেচ্ছান্ বহুবিধানপি ॥৩৯॥
তৈস্তৈর্বিসৃষ্টৈর্মহাসৈন্যৈর্নানাম্লেচ্ছগণৈস্তদা। নানাবরণসঞ্ছন্নৈর্নানায়ুধধরৈস্তথা ॥ ৪০ ॥
অবাকীর্যত সংরব্ধৈর্বিশ্বামিত্রস্য পশ্যতঃ। একৈকশ্চ তদা যোধঃ পঞ্চভিঃ সপ্তভির্বৃতঃ ॥৪১॥
অস্ত্রবর্ষেণ মহতা বধ্যমানং বলং তদা। প্রভগ্নং সর্বতস্ত্রস্তং বিশ্বামিত্রস্য পশ্যতঃ ॥৪২॥
ন চ প্রাণৈর্বিযুজ্যন্তে কেচিত্তত্রাস্য সৈনিকাঃ। বিশ্বামিত্রস্য সংক্রুদ্ধৈর্বাশিষ্ঠৈর্ভরতর্ষভ ।।
সা গৌস্তৎ সকলং সৈন্যং কালয়ামাস দূরতঃ ॥৪৩॥
বিশ্বামিত্রস্য তৎ সৈন্যং কাল্যমানং ত্রিযোজনম্। ক্রোশমানং ভয়োদ্বিগ্নং ত্রাতারং নাধ্যগচ্ছত ॥৪৪॥

আম্মী তেঙ্গোল পুম্নমকপু মায়কৈ থরিমক্লা তাম্থোকলে ॥৩৪॥ অদুদগী অমুক [illegible] [illegible] শা'জ থাদুনা যনবী অদুবু মথোয়না পুংদবা মায়কৈ অদুদা চিংদুনা পুংগদবগী [illegible] মতম অদুদা যনবী অদুনা মখিত্ত ঈ কাহুনা থোইন শাওবগী মতৌ উবুনা চপ [illegible] [illegible] কাম্‌ধেনুনা মহাক্কী থেক্কৎলক্লিবা মমৈ অদুদগী অচাকপা মৈতালগ্লবা মৈম্রিক [illegible] [illegible] লৈতনা চাইথোরক্কুনা মুমিৎমুংবা মতমগী চাক্লবা কুমিৎকী মতৌগুম চাক্কুনা-[illegible] লৈখি ॥৩৬॥ মমৈদগী পহ্লব, হুমাং গরিক মরিক্কগী দ্রবিড় অমসুং শক, গুহ্যদ্বারদগী যবন অদুগা [illegible] শবর কৌবা লান্দ তমথীরবা আত্তিশিং অসি পুথোকখি ॥৩৭॥ [illegible] শবর [illegible] [illegible] [illegible] কয়ামুক অমুক পুথোকখি; নাকথং অনিদগী পৌণ্ড্র, কিরাত, যবন, সিংহল, বর্বর অমসুং খশ [illegible] কৌবা মী জাৎ শেমদুনা পুথোকখি ॥৩৮॥ যনবী কাম্‌ধেনু অদিনা [illegible] [illegible] কোঙ্গোন্দগী চিবুক, পুলিন্দ, চীন, হুন, কেরল অদুগা মখল মখা [illegible] ম্লেচ্ছ জাৎ [illegible] কয়া পুথোকখি ॥৩৯॥ মখল মখা অয়াম্বা লালগী ফীজোল শেংলবা, মখল-মখলগী [illegible] [illegible] রবা ম্লেচ্ছ জাৎকী লানমী কয়া কয়ানা [illegible] লোয়নননা মী মখা-মখা, [illegible] [illegible] [illegible] তিন্নদুনা বিশ্বামিত্রগী লানমী অমমমু কোয়শিন্দুনা থম্মে ॥৪০—৪১॥ [illegible] [illegible] [illegible] শুংলায়না থারবা কিরবা, বিশ্বামিত্রগী লানমী মায়কৈ মরিমক্তা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥৪২॥ অর্জ্জুন। বশিষ্ঠগী লানমীশিং অসিনা [illegible] [illegible] [illegible] বিশ্বামিত্রগী [illegible] লানমী [illegible] মথবাই মাংহনখিদে। [illegible] [illegible] বশিষ্ঠগী [illegible] [illegible] [illegible] বিশ্বামিত্রগী লানমী তেঙ্গোল পুম্নমকপু নমহৎখি ॥৪৩॥ মতম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চাওরবা, বিশ্বামিত্রগী লানমী পুম্নমক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

বিশ্বামিত্রস্ততো দৃষ্ট্বা ক্রোধাবিষ্টঃ স রোষণঃ । ববর্ষ শরবর্ষাণি বশিষ্ঠে মুনিসত্তম ॥৪৫॥
ঘোররূপাংশ্চ নারাচান্ ক্ষুরান্ ভল্লান্ মহামুনিঃ । বিশ্বামিত্রপ্রযুক্তাংস্তান্ বৈণবেন ব্যনাশয়ৎ ॥৪৬॥
বশিষ্ঠস্তু তদা দৃষ্ট্বা কর্ম্মকৌশলমাহবে । বিশ্বামিত্রোঽপি কোপেন ভূয়ঃ শত্রুনিপাতনঃ ।
দিব্যাস্ত্রবর্ষং তস্মৈ স প্রাহিণোন্মুনয়ে রুষা ॥৪৭॥
আগ্নেয়ং বারুণঞ্চৈন্দ্রং যাম্যং বায়ব্যমেব চ । বিসসর্জ্জ মহাভাগ বশিষ্ঠে ব্রহ্মণঃ সুতে ॥৪৮॥
অস্ত্রাণি সর্ব্বতো জ্বালাং বিসৃজন্তি প্রপেদিরে । যুগান্তসময়ে ঘোরা পতঙ্গস্যেব রশ্ময়ঃ ॥৪৯॥
বশিষ্ঠোঽপি মহাতেজা ব্রহ্মশক্তিপ্রযুক্তয়া । যষ্ট্যা নিবারয়ামাস সর্ব্বাণ্যস্ত্রাণি স স্ময়ন্ ॥৫০॥
ততস্তে ভস্মসাদ্ভূতাঃ পতন্তি স্ম মহীতলে । অপোহ্য দিব্যান্যস্ত্রাণি বশিষ্ঠো বাক্যমব্রবীৎ ॥৫১॥
নির্জ্জিতোঽসি মহারাজ! দুরাত্মন্! গাধিনন্দন! । যদি তেঽস্তি পরং শৌর্য্যং তদ্দর্শয় ময়ি স্থিতে ॥৫২॥
দৃষ্ট্বা তন্মহদাশ্চর্য্যং ব্রহ্মতেজোভবং তদা । বিশ্বামিত্রঃ ক্ষত্রভাবান্নির্ব্বিণ্ণো বাক্যমব্রবীৎ ॥৫৩॥
ধিগ্বলং ক্ষত্রিয়বলং ব্রহ্মতেজোবলং বলম্ । বলাবলং বিনিশ্চিত্য তপ এব পরং বলম্ ॥৫৪॥

লাওহনা ফুংবংননা লৈখি; মখোয়বু কনবিনবা বনাহু উখিত্রে ॥৪৪॥ অতুগী তুংদা, মতৌ অসি উবদা বিশ্বামিত্রদা থোইদোক্তনা শাওখিহনা পৃথিবী, লৈখা অমদি নোংমদোন শীন্না কুপ্তুনা, নোং-চুথবগী মতৌগুমনা মুনি অথোইবা বশিষ্ঠগী মথক্তা তেলগী মপৈ মপৈ কাপশিন্নরক্নে ॥৪৫॥ অদুবু বশিষ্ঠনা মহাক্কী ম্বাগী চৈশু অহনা হাইদোক হায়দোকতুনা বিশ্বামিত্রনা কাপলকপা অকিবগী মশক কংনা থোরগা যেত্তুম মচীন শাবা, থাং-ময়া শাবা অমসুং তাদোন মচীন শাবা তেল থুংলায় ময়াম অদু অরেমবা তাহনখি ॥৪৬॥ অদুদগীদি য়েকনবা ভমলবা বিশ্বামিত্রনা বশিষ্ঠগী লান্দা য়ামনা হৈশিংবা মতৌ অদু উবদা শাওখিবনা অমুরক হন্না লাইগী থোরবা থুংলাযমক্তা বশিষ্ঠগী মায়কৈদ মথক্তা হৈথরকলে ॥৪৭॥ মহাকনা ব্রহ্মাগী মচা, পুকচেল চাওরবা বশিষ্ঠগী মফমদা মৈগী, ঈশিংগী নোংগী, যমগী অমসুং নুংশিৎকী তেল-থুংলাযনচিংবা শীজিন্নরক্লে ॥৪৮॥ হায়রিবা থুংলায় তেলশিং অসিনা মৈরিক-মৈবী ময়াম কাপথোরক্তুনা প্রলয মতমগী অকিবা ফংলবা নুমিৎকী চাকলবা মঙাল মপৈগুম বশিষ্ঠগী মাযকৈদা পাইশিল্লক্লে ॥৪৯॥ মতিক মগুণ লৈরবা বশিষ্ঠসু যো মোন নোক্লহুনা ব্রহ্মতেজনা তিন্নবা চৈতুপ অহনা বিশ্বামিত্রগী থুংলায়শিং অদো লোইনা ভাকথোকখি ॥৫০॥ অদুগীদি থুংলায়শিং অদু চাক্তুনা উৎ ওইহনা লৈমাযদা তাহনা লৈখি। মতৌ অমুমনা থুংলায়-শিং অদু ভাকথোকলগা বশিষ্ঠনা ৱা অসি বিশ্বামিত্রদা হায়রকই ॥৫১॥ হৈ ক্ষত্রবা বিশ্বামিত্র! নং ঐভোন্দা মায়থীবা ফংলেদো! অকনবা নখোঁনা নপাঙল লৈরবদি অমুক নংনা তৌগদবা কন্নিনো তৌরকউদনা; ঐ অসুম্মক লৈরি ॥৫২॥ বিশ্বামিত্রনা ব্রহ্মতেজগী অঙকপা শক্তি অদু উবদা ক্ষত্রিয়গী পাঙল অমসুং 'অকনবা তৌবঙমবা শাববু হন্না হন্না ধিক্কার তৌখি, নিন্দা তৌখি ॥৫৩॥ "ক্ষত্রিয়গী হকচাংগী পাঙল কায়দে" হঙ-হন্না নিন্দা তৌরি, ব্রাহ্মণগী তেজগী শক্তিতনা অথোইবনি। কদায়দা

স রাজ্যং স্ফীতমুৎসৃজ্য তাঞ্চ দীপ্তাং নৃপশ্রিয়ম্। ভোগাংশ্চ পৃষ্ঠতঃ কৃত্বা তপস্যেব মনো দধে ॥৫৫॥
স গত্বা তপসা সিদ্ধিং লোকান্ বিষ্টভ্য তেজসা। ততাপ সর্ব্বান্ দীপ্তৌজা ব্রাহ্মণত্বমবাপ্তবান্ ॥৫৬॥
অপিবচ্চ ততঃ সোমমিন্দ্রেণ সহ কৌশিকঃ। এবংবীর্য্যস্তু রাজর্ষিব্রহ্মর্ষিঃ সমভূব হ ॥৫৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি চৈত্ররথে
বাশিষ্ঠে বিশ্বামিত্রপরাভবো নামাষ্টষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——০:(●):০——

অকনবনো, কদায়না অশোনবনো হায়বসি ঐ য়ামনা মুন্না খংলে উরে, ব্রাহ্মণ তেজতনা অথোইবনি হায়বসি ঐনা পৃক্লিংদা লেপলে ॥৫৪॥ অদুদগী হৌনা অর্জ্জুন। বিশ্বামিত্র অসি মহাক্তী পাক-চাওরবা লৈপাক, চাওখংলবী রাজলক্ষ্মী অমদি মখল মখা অয়াম্বা রাজভোগ পুম্ব থাদোকতুনা ব্রহ্মতেজ ফংনবা অকনবা তপস্যাদা পৃক্লিং চংখি ॥৫৫॥ মতুংদ', তপস্যাগী পাম্বৈনা সিদ্ধি ফংদুনা মশাগী ব্রহ্মতেজনা জগৎ পুম্ব শুমহন্তুনা ব্রাহ্মণ ওইবগী মতিক মগুণ মওং ফংদুনা পৃমনমকপ্ত রাহনখি অমদি লাংতক্লহনখি ॥৫৬॥ অদুগী তুংদ', বিশ্বামিত্রনা ইন্দ্রগা সোমরস থকমিন্নখি। অসুম ওইবা, মতিক মগুণ লৈরবা বিশ্বামিত্রনা রাজর্ষি ওইরবস্যু ব্রাহ্মর্ষিগী থাক্ত কাখি ॥৫৭॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভাবততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা চৈত্ররথগী মসুংদ. বাশিষ্ঠগী মতংদা 'বিশ্বামিত্রপরাভব' কৌবা চামগা হুমফুনিপাল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(●):——

শ্রীমহাভারতম্

(বশিষ্ঠনা অন্নাবতাবগী ৱারী)

(চাম হুমফুমাপাল শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

কল্মাষপাদ ইত্যেবং লোকে রাজা বভূব হ। ইক্ষ্বাকুবংশজঃ পার্থ ! তেজসাঽসদৃশো ভুবি ॥ ১ ॥
স কদাচিদ্বনং রাজা মৃগয়াং নির্যযৌ পুরাৎ। মৃগান্ বিধ্যন্ বরাহাংশ্চ চচার রিপুমর্দ্দনঃ ॥২॥
তস্মিন্ বনে মহাঘোরে খড়্গাংশ্চ বহুশোঽহনৎ। হত্বা চ সুচিরং শ্রান্তো রাজা নিববৃতে ততঃ ॥৩॥

গন্ধর্ব্বনা হায়—তাও, অর্জ্জুন। মর্ত্ত্যলোকতা অমংহৈদো চাংদমনীংঙাই লৈতনা খুক্লবা কল্মাষপাদ কৌবা কুরুবংশগী নিংথৌ অম পাল্লম্বি ॥১॥ মহাক্লা লোংম মৃগয়া চৎকে হায়দুনা কোম্বুংদগী থোরক্লনা ৱনদা চংখি, বন অদুদা শজী শঙাই তায়দুনা কোয়চৎ চদুনা অসুম লৈ ॥২॥ নিংথৌ অদুনা অকিনবী মখক কংলবা বন অদুদা চাওর চাওরবা শামুগঙা কয়াম হাৎলে। অদুগী তুংদা ৱায়দুনা

অকাময়ত্তং যাজ্যার্থে বিশ্বামিত্রঃ প্রতাপবান্। স তু রাজা মহাত্মানং বাশিষ্ঠমৃষিমুত্তমম্ ॥৪॥
তৃষ্ণার্তশ্চ ক্ষুধার্তশ্চ একায়নগতঃ পথি। অপশ্যদজিতঃ সংখ্যে মুনিং প্রতিমুখাগতম্ ॥৫॥
শক্ত্রিং নাম মহাভাগং বশিষ্ঠকুলবর্দ্ধনম্। জ্যেষ্ঠং পুত্রং পুত্রশতাদ্বশিষ্ঠস্য মহাত্মনঃ ॥৬॥
অপগচ্ছ পথোঽস্মাকমিত্যেবং পার্থিবোঽব্রবীৎ তথা ঋষিরুবাচেদং সান্ত্বয়ন্ শ্লক্ষ্ণয়া গিরা ॥৭॥
মম পন্থা মহারাজ—! ধর্ম্ম এষ সনাতনঃ। রাজ্ঞা সর্ব্বেষু ধর্ম্মেষু দেয়ঃ পন্থা দ্বিজাতয়ে ॥৮॥
এবং পরস্পরং তৌ তু পথোঽর্থং বাক্যমূচতুঃ। অপসর্পাপসর্পেতি বাগুত্তরমকুর্ব্বতাম্ ॥৯॥
ঋষিস্তু নাপচক্রাম তস্মিন্ ধর্ম্মপথে স্থিতঃ। নাপি রাজা মুনের্মানাৎ ক্রোধাচ্চাপজগাম হ ॥১০॥
অমুঞ্চন্তং পন্থানং তমৃষিং নৃপসত্তমঃ। জঘান কশয়া মোহাত্তদা রাক্ষসবন্মুনিম্ ॥১১॥
কশাপ্রহারাভিহতস্ততঃ স মুনিসত্তমঃ। তং শশাপ নৃপশ্রেষ্ঠং বাশিষ্ঠঃ ক্রোধমূর্চ্ছিতঃ ॥১২॥
হংসি রাক্ষসবদ্যস্মাদ্রাজাপসদ! তাপসম্! তস্মাত্ত্বমদ্য প্রভৃতি পুরুষাদো ভবিষ্যসি ॥১৩॥
মনুষ্যপিশিতে সক্তশ্চরিষ্যসি মহীমিমাম্। গচ্ছ রাজাধমেত্যুক্তঃ শক্ত্রিণা বীর্য্যশক্তিনা ॥ ১৪ ॥
ততো যাজ্যনিমিত্তন্তু বিশ্বামিত্রবশিষ্ঠয়োঃ। বৈরমাসীত্তদা তন্তু বিশ্বামিত্রোঽন্বপদ্যত ॥১৫॥
তয়োর্বিবদতোরেবং সমীপমুপচক্রমে। ঋষিরুগ্রতপাঃ পার্থ! বিশ্বামিত্রঃ প্রতাপবান ॥১৬॥

চোকথরম্বনা মফম অত্তুদগী হন্নরে॥৩॥ অসোমদা বিশ্বামিত্রনা কল্মাষপাদবু মহাক্কী যজমান ওইহনগে হায়না খল্লি। মতম অসি মক্তদা অয়াম্ব খৌয়াংবনা চোকথরবা ম্বারবা নিংথৌ অসি য়াম্না থুরবা লম্বী অমদা অম্বম লাকই, লম্বী অসি থুমনবনা মী অমদগী হেন্না অনীশুনা চৎপা য়াদে। মতম অসিমক্তদা পুকচেল চাওরবা বশিষ্ঠগী মচা চামগী মনুংদা খন্নাইদগী অহল শক্ত্রি হায়বসি কল্মাষপাদ নিংথৌনা লাক্লিবা লম্বী অদোমদা হেক লাক্লম্মি; কল্মাষপাদনা মাবু উরে॥৪—৬॥ নিংথৌনা মঙোন্দা হায়— নহাক ঐনা লাক্লিবা লম্বী অসিদগী চায়থোকউ। ঋষিক্তুনন্থ নীংথিবা অথোৎপা ম্বাইহনা নিংথৌদা হায়রকই ॥৭॥ মহারাজ! লম্বী অসে ঐগীনি। কম্বি মক্মনা হায়বদা নিংথৌনা ব্রাহ্মণনা লাকপা লম্বীবু থাদোকদবনি, লমজায়গদৌবনি, মাসি মমাংঙৈদগী চৎনরক্লবা লোকাচারনি ॥৮॥ মখোয় অনীমক অঘগা অমগা "লম্বী থাদোকউ, লম্বী থাদোকউ" হায়নরে ॥৯॥ ঋষি অদুম্থু মমাংঙৈদগী চৎনরক্লবা আচারগী মতুংইন্না লমজায়দরে নিংথৌ অত্তুম্থু মুনিনা চাওথোকপা লেম্ব অত্তুদা শাওনীংবনা লমজায়দরে ॥১০॥ শক্ত্রি কৌবা ঋষি অত্তুনা লম্বী থাদোক্ত্রবত্তুদা নিংথৌ অত্তুনা হিংচাবগী মতৌগুম্না নাপন্না শুমহৎখিবনা শাজৈনা ঋষি মচা অত্তুদা ফুরে॥১১॥ [illegible] অত্তুদা শাজৈগী চৈনাথোল অহ কংবদা শাওখিবনা [illegible] নিংথৌ অথোইবা কল্মাষপাদনা অত্তুম হায়না শাপ [illegible]॥১২॥ হে তোমব নিংথৌ! নহাক্না হিংচাবগী মতৌগুম তপস্বী অমবু শাজৈনা সুমনিকো, নহাক ঙসিদগী হৌনা মীশাচাম হিংচাবা ওইগনি ॥১৩॥ নহাক ঙসিদগী হৌনা মীগী মশাদ থিত্তুনা পৃথিবীগী মফম [illegible] নিংথৌ। [illegible] শক্ত্রিনা [illegible] হায়না শাপ [illegible]॥১৪॥ কল্মাষপাদবু [illegible] বশিষ্ঠনা বিশ্বামিত্রনা [illegible] বিশ্বামিত্রনা [illegible] কল্মাষপাদবু [illegible] ॥১৫॥ [illegible] বিশ্বামিত্রনা [illegible]

ততঃ স বুবুধে পশ্চাত্তমৃষিং নৃপসত্তমঃ। ঋষেঃ পুত্রং বশিষ্ঠস্য বশিষ্ঠমিব তেজসা ॥১৭॥
অন্তর্ধায় ততাত্মানং বিশ্বামিত্রোঽপি ভারত। তাবুভাবতিচক্রাম চিকীর্ষন্নাত্মনঃ প্রিয়ম্ ॥১৮॥
স তু শপ্তস্তদা তেন শক্ত্রিণা বৈ নৃপোত্তমঃ। জগাম শরণং শক্ত্রিং প্রসাদয়িতুমর্হয়ন্ ॥১৯॥
তস্য ভাবং বিদিত্বা স নৃপতেঃ কুরুসত্তম। বিশ্বামিত্রস্ততো রক্ষ আদিদেশ নৃপং প্রতি ॥২০॥
শাপাত্তস্য তু বিপ্রর্ষের্বিশ্বামিত্রস্য চাজ্ঞয়া। রাক্ষসঃ কিঙ্করো নাম বিবেশ নৃপতিং তদা ॥২১॥
রক্ষসা তং গৃহীতন্তু বিদিত্বা মুনিসত্তমঃ। বিশ্বামিত্রোঽপ্যপাক্রামত্তস্মাদ্দেশাদরিন্দম ॥২২॥
ততঃ স নৃপতিস্তেন রক্ষসান্তর্গতেন চ। বলবৎ পীড়িতঃ পার্থ! নান্ববুধ্যত কিঞ্চন ॥২৩॥
দদর্শাথ দ্বিজঃ কশ্চিদ্রাজানং প্রস্থিতং বনম্। অযাচত ক্ষুধাপন্নঃ সমাংসং ভোজনং তদা ॥২৪॥
তমুবাচাথ রাজর্ষির্দ্বিজং মিত্রসহস্তদা। আস্স্ব ব্রহ্মংস্ত্বমত্রৈব মুহূর্ত্তং প্রতিপালয়ন্ ॥২৫॥
নিবৃত্তঃ প্রতিদাস্যামি ভোজনং তে যথেপ্সিতম্। ইত্যুক্ত্বা প্রযযৌ রাজা তস্থৌ স দ্বিজসত্তমঃ ॥২৬॥
ততো রাজা পরিক্রম্য যথাকামং যথাসুখম্। নিবৃত্তোঽন্তঃপুরং পার্থ! প্রবিবেশ মহামনাঃ ॥২৭॥

হায়খিবা অদুগী হাক্তক্তগী বশিষ্ঠগা য়েংথীনখিবা মতমদস্থ শক্ত্রি, অমদি কল্মাষপাদগী মফমদা চৎলুরবনি ॥১৬॥ অদুগী তুংদ নিংথৌ কল্মাষপাদদা শাপ তৌরিবা মিপা অসি বশিষ্ঠ মুনিগী মচা, মপা বশিষ্ঠমক্তা মাননা তেজ লৈরবা শক্ত্রি, কৌবা ঋষিনি হায়বা বিশ্বামিত্রনা খংলে ॥১৭॥ অর্জ্জুন! মতম অদুদা বিশ্বামিত্রনা মশাগী অপাম্ব অদু পাংথোকলগে হায়না খন্দুনা মশামকপু উহন্দনা কল্মাষপাদগা শক্ত্রিগা অনি অদুবু লাম্থোক্তুনা চৎখে ॥১৮॥ অসোমদা নিংথৌ কল্মাষপাদস্থ শক্ত্রিগী শাপ অদু ফংলদুনা মহাক্কী মফমদা মাদু কোয়নবা চংজদুনা হায়জগে হায়বগী দমক চৎলম্মি ॥১৯॥ মতম অদদা মহাক্কা তৌগ-দায়িবা থবক অদু খংলদুনা বিশ্বামিত্রনা নিংথৌ অসিগী মশাদা চংডুরো হায়দুনা হিংচাবা অমদা য়াথং পিরম্মি ॥২০॥

মতম অদুদা শক্তিগী শাপতগী অমসুং বিশ্বামিত্রগী য়াথংদগী কিঙ্কর হিংচাবা অমনা কল্মাষ-পাদ কৌবা নিংথৌগী হকচাংদা চংখে ॥২১॥ হিংচাবনা কল্মাষপাদ কৌবা নিংথৌগী হকচাংদা চংখে, হায়বসি খংলদুনা বিশ্বামিত্রস্থ তুমিন্না মফম অদদগী চৎখি ॥২২॥ অর্জ্জুন! অদুগী তুংদা কল্মাষপাদ মহাক্কী মশাদা হিংচাবনা চোংশিনখিবা অদুদা মহাককী থমোইদা পোথাকম খংদনা ইথক থক্তুনা তৌগদবা তৌরোইদবা থবক অমতা মফম ইথং খংখিদরে ॥২৩॥ মতম অসিমক্তদা কনা-গুম্বা ব্রাহ্মণ অমনা য়াম্না অমাম খৌয়াংলদুনা অসুম লাকপদা হনগী মতুংদা নিংথৌ অদুবু উরুরে অমসুং মনাক্তা চংশিন্দুনা শাগী মহাউ য়াওবা চাক থমদং চাগে পীয়ু হায়না কায়জকরে ॥২৪॥ মতম অদুদা শাগে-নাইতে অমদি প্রজা সুখমকপু ত্যান্নিবা নিংথৌ অদুনা ব্রাহ্মণ অদুদা হায়রকই— ব্রাহ্মণ! মফম অসিদা হৌজিক খায়দুনা লৈথিরম্মু ॥২৫॥ ঐনা হলক্লগা ব্রাহ্মণগী অপাম্বা অচা অথক অদু দান তৌজগনি; অসি হায়দুনা নিংথৌ অদু মহাককী কৌনুনা চৎখি; ব্রাহ্মণ অদুস্থ মফম অদদা খায়দুনা লৈখৌই ॥২৬॥ অদুগী তুংদা নিংথৌ অদুনা কোয়ুং চৌখিদুনা মনিং মথা অমনা

ততোঽর্দ্ধরাত্র উত্থায় সূদমানায্য সত্বরম্। উবাচ রাজা সংস্মৃত্য ব্রাহ্মণস্য প্রতিশ্রুতম্ ॥২৮॥
গচ্ছামুষ্মিন্ বনোদ্দেশে ব্রাহ্মণো মাং প্রতীক্ষতে। অন্নার্থী তং ত্বমন্নেন সমাংসেনোপপাদয় ॥২৯॥
এবমুক্তস্ততঃ সূদঃ সোঽনাসাদ্যামিষং ক্বচিৎ। নিবেদয়ামাস তদা তস্মৈ রাজ্ঞে ব্যথান্বিতঃ ॥৩০॥
রাজা তু রক্ষসাবিষ্টঃ সূদমাহ গতব্যথঃ। অপ্যেনং নরমাংসেন ভোজয়েতি পুনঃ পুনঃ ॥৩১॥
তথেত্যুক্ত্বা ততঃ সূদঃ সংস্থানং বধ্যঘাতিনম্। গত্বাজহার ত্বরিতো নরমাংসমপেতভীঃ ॥৩২॥
স তৎ সংস্কৃত্য বিধিবদন্নোপহিতমাশু বৈ। তস্মৈ প্রাদাদ্ ব্রাহ্মণায় ক্ষুধিতায় তপস্বিনে ॥৩৩॥
স সিদ্ধচক্ষুষা দৃষ্ট্বা তদন্নং দ্বিজসত্তমঃ। অভোজ্যমিদমিত্যাহ ক্রোধপর্য্যাকুলেক্ষণঃ ॥৩৪॥

ব্রাহ্মণ উবাচ।

যস্মাদভোজ্যমন্নং মে দদাতি স নৃপাধমঃ। তস্মাত্তস্যৈব মূঢ়স্য ভবিষ্যত্যত্র লোলুপা ॥৩৫॥
সক্তো মানুষমাংসেষু যথোক্তঃ শক্ত্রিণা পুরা। উদ্বেজনীয়ো ভূতানাং চরিষ্যতি মহীমিমাম ॥৩৬॥
দ্বিরত্র ব্যাহৃতো রাজ্ঞঃ স শাপো বলবানভূৎ। রক্ষোবলসমাবিষ্টো বিসংজ্ঞশ্চাভবন্নৃপঃ ॥৩৭॥

ঙায়হাক্তং সুংঙাংনা কোইচৎ চৎলুবগা অন্ত পুব মসংদা চংখি ॥২৭॥ অদুগী তুংদা অহিংগী যুংক অনি থ্বরবা মতমদা ফুক হৌগৎতুনা ব্রাহ্মণগী মফমদা থাশক্লম্বা বিষয় অদু নিংশিংলক্তুনা চাকথোংবা পুজারি কৌহনলুদনা মাঙোন্দা হায়খি ॥২৮॥ চাকথোংবা! হৌজিকমক চৎলু, বন অসিগী মনুংদা লায়রবা ব্রাহ্মণ অমা ঐবু ঙায়দুনা লৈরিবনি, ঙা-চাক য়াওবা চাক থরদনা থিলদুনা মহাকপু পেলহনলুচো ॥২৯॥ নিংথৌনা অসুম হায়রক্লবদা চাক থোংবা নিপা অদু করিগুম্বা মফমদা শা ঙা অমতা ফংদ্রবা অমদা যাম্না থানা কিনা চিরম অদু হঙ্গনলুর ॥৩০॥ অদুবু পুকনুংদা হিংচাবা চোংশিনথ্রবা নিংথৌ অদুনা করিমতা অন্নাবা লৈতনা চাক থোংবা নিপা অদুগী মফমদা হন্নহন্না হায়রকই—চৎলু হৌজিমক চৎলু ব্রাহ্মণ অদুদা শা-সা যাম্বা হচা-অথক পীজবচো ॥৩১॥ "য়াম্না ফনি" অসুম হায়দুনা চাক থোংবা নিপা অদু মীহাৎকম তান্না চংথিনা অকিবা লৈতনা মীগী শকুম থর পুথনা লক্লে ॥৩২॥ অদুদগী মহাকনা যাম্না নিংথিনা মাদু থোংদুনা য়েঙ্গাং অদুগা লোয়নননা চাক পুবক্তুনা লামলবা ব্রাহ্মণ অদুদা পীরুবে ॥৩৩॥ মতম অদুদ ব্রাহ্মণ অদুনা লাইগী মিৎ-য়েংনা য়েংবদা অচাপোং অদু উবদা শাওবনা মমিত্তা ঈ কাদুনা হায়রকই—অচাপোং অসে চাহৈদে, পুথরো চৎলু ॥৩৪॥

ব্রাহ্মণনা অসিমসু হায়খি—তোল্লবা নিংথৌ অসিনা ঐঙোন্দা চাব য়াদবা অমাংবা চিঙ্গাক পীরি, অদুনা মূর্খ অসিগী অপাম্বসু অসিগুম্বা চিঙ্গাক্তা মওইরগদবনি ॥৩৫॥ অদুগা মমাংঙৈদা শক্ত্রি কৌবা ঋষিনসু অসুম হায়দুনা শাপ তৌথ্রবনি, মতৌ অমনা ফত্তবা নিংথৌ অসি মীগী মশা চাবদা পুক্নিং চংদুনা মী পুম্নমক্কী মফমদা অকিবগী মশক ফংনা পৃথিবীগী মফম পুম্নমক্তা কোইচৎ চত্তুনা লৈরগনি ॥৩৬॥ শক্ত্রি, অমসুং ব্রাহ্মণ অনিমক্তুনা অসুম অনিরক নিংথৌদা শাপ তৌথ্রবা অদুদা শাপ অদু হায়রদগী য়াম্না হেন্না মপাঙ্গল কনখ্রে; অদুমক্তনা থিংচাবনা পুকনুংবা চোংশিন-

ততঃ স নৃপতিশ্রেষ্ঠো রাক্ষসোপহতেন্দ্রিয়ঃ। উবাচ শক্তিং তং দৃষ্ট্বা ন চিরাদিব ভারত ॥৩৮॥
যস্মাদসদৃশঃ শাপঃ প্রযুক্তোঽয়ং ময়ি ত্বয়া। তস্মাত্ত্বত্তঃ প্রবর্ত্তিষ্যে খাদিতুং মানুষানহম্ ॥৩৯॥
এবমুক্ত্বা ততঃ সদ্যস্তং প্রাণৈর্বিপ্রযুজ্য সঃ। তং শক্তিং ভক্ষয়ামাস ব্যাঘ্রঃ পশুমিবেপ্সিতম্ ॥৪০॥
তং শক্তিং নিহতং দৃষ্ট্বা বিশ্বামিত্রঃ পুনঃ পুনঃ। বশিষ্ঠস্যৈব পুত্রেষু তদ্রক্ষঃ সন্দিদেশ হ ॥৪১॥
স তান্ শক্ত্যবরান্ পুত্রান বশিষ্ঠস্য মহাত্মনঃ। ভক্ষয়ামাস সংক্রুদ্ধঃ সিংহঃ ক্ষুদ্রমৃগানিব ॥৪২॥
বশিষ্ঠো ঘাতিতান শ্রুত্বা বিশ্বামিত্রেণ তান্ সুতান্। ধারয়ামাস তং শোকং মহাদ্রিরিব মেদিনীম্ ॥৪৩॥
চক্রে চাত্মবিনাশায় বুদ্ধিং স মুনিসত্তমঃ। ন ত্বেবং কৌশিকোচ্ছেদং মেনে মতিমতাং বরঃ ॥৪৪॥
স মেরুকূটাদাত্মানং মুমোচ ভগবানৃষি। গিরেস্তস্য শিলায়াস্তু তূলরাশাবিবাপতৎ ॥৪৫॥
ন মমার চ পাতেন স যদা তেন পাণ্ডব। তদাগ্নিমিদ্ধং ভগবান্ সংবিবেশ মহাবনে ॥৪৬॥
তং তদা সুসমিদ্ধোঽপি ন দদাহ হুতাশনঃ। দীপ্যমানোঽপ্যমিত্রঘ্ন শীতোঽগ্নিরভবত্ততঃ ॥৪৭॥
স সমুদ্রমভিপ্রেক্ষ্য শোকাবিষ্টো মহামুনিঃ। বদ্ধা কণ্ঠে শিলাং গুর্ব্বীং নিপপাত তদাম্ভসি।
স সমুদ্রোর্ম্মিবেগেন স্থলে ন্যস্তো মহামুনিঃ ॥৪৮॥

খুবা নিংথৌ অদু তৌহৈবা তৌহৈদবা, অফ যত্তবা ব্রাগল পুমনমক লৈখিদবে ॥৩৭॥ হিংচাবদুগী মতিক মগুণনা নিংথৌ অদুগী ইন্দ্রিয পুম্নমক অদু মথক মথা ওনখ্রে, ইন্দ্রিয়শিংগী শক্তি পুম্নমক মাংথরক্রে, মতম খবগী মমুংদা নিংথৌ অদুনা শক্ত্রিবু উবদুনা হায়রকই ॥৩৮॥ নহাক্না ঐঙোন্দা তমথিরবা চুমদ্রবা শাপ অমা তৌরে, অদুনা ঐ নংঙোন্দগী হৌনা মীশা চাবা হৌব তারে ॥৩৯॥ ব্রাসি হায়রগা নিংথৌ অদুনা বৈনা শক্তি শঙাই লাক্তুনা চাবগুম খুদক্তা শক্ত্রিবু হাৎলগা চাথোকখ্রে ॥৪০॥ শক্ত্রিবু হাৎখিবদু উবদা বিশ্বামিত্রনা বশিষ্ঠগী মচা পুমনমক মথং মথং চাথোকউবো হায়না নিংথৌদা য়াথং পীখ্রে ॥৪১॥ অদুগী তুংদা শাউরবা নোংশানা পিরবা শক্তি শঙাই মগাম্বু চাথোকপগুম শক্ত্রিগী মনাওশিং, বশিষ্ঠগী মচাশি অদুবু লোইনা তুম্না চাথোকখি ॥৪২॥ বিশ্বামিত্রনা হিংচাবা থাজিন্দুনা মচাশিংবু হাথোকহনখ্রে, হায়বসি তাবদা চাউরবা চীংজাওনা পৃথিবীবু পুবগুম বশিষ্ঠনা মচা কায়নবগী অৱাবা মৈচাক অদুবু থগৎইনা খাংদুনা পুদুনা লৈখি ॥৪৩॥ মুনিগী মমুংদা অথোইবা, জ্ঞান লৈবশিংগী অথোইবা বশিষ্ঠনা ৱাবনা আত্মাঘাত তৌহনা শিখ্রগে হায়না খনখ্রে, অদু ফাউবদা বিশ্বামিত্রগী মানবা বংশিগুম্বা অমতা তৌগে হায়না খনখিদে ॥৪৪॥ মহাক্না সুমেরু চীংজাউগী চীংথক্তা কাথত্তুনা চীংদোনবগী চোংথখি, অদুবু মশা অদু তেরা মফোলগুম য়াংনা সুংপাক অমগী মথক্তা তাখি ॥৪৫॥ মতম অদুদা চীংথক্তগী তারব ফাওবদা শিবা মরৈখিদ্রে, চাক্লবা লমৈ মনুংদা চোংশিনখি ॥৪৬॥ মতম অদুদসু মৈরী ফংনদ চাক্লবা লমৈ অদুনা মহাকপু চাকপা দরৈখিদরে; মাগী হকচাংগা থেংনরগা মৈ অদু ইংবু ইংথখরে ॥৪৭॥ মতম অদুদা অৱাবনা থাংবা শুমদ্রবা বশিষ্ঠ অসি সমুদ্রবু উবদা চাওরবা লুরবা সুংদুম অমা মকোকশমদা পুন্দুনা সমুদ্র অদুদা চোংথখ্রে; অদুবু সমুদ্রগী

ন মমার যদা বিপ্রঃ কথঞ্চিৎ সংশিতব্রতঃ। জগাম স ততঃ খিন্নঃ পুনরেবাশ্রমং প্রতি ॥৪৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি চৈত্ররথ

বাশিষ্ঠে বশিষ্ঠশোকো নামানলত্যাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(*):—

ঐথকশিং অদুধা বশিষ্ঠসু তোর্ব্বান্দা লংথদুনা থনমলে ॥৪৬॥ অদুক কারবা বশিষ্ঠনা শিমনবা উপায় পুন্নমক লেংনুবদা শিবা য়াখিদ্রে, অদুগী তেীনিংবায় লৈতদনা য়াম্বনা য়াল্লা মাগী আশ্রমদা হল্লকখি ॥৪৭॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেখবা সংহিতা আদি-পর্ব্বদা বাশিষ্ঠগী মনুংদা, বশিষ্ঠশোক হায়না কৌবা চামগা অক্তমাপল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

(সৌদাসুতোৎপত্তিগী য়ারী)

(চামা হুন্দুতরা শুবা অধ্যায়)

—:(০):—

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

ততো দৃষ্ট্বাশ্রমপদং রহিতং তৈঃ সুতৈর্মুনিঃ। নির্জগাম সুদুঃখার্ত্তঃ পুনরপ্যাশ্রমাত্ততঃ ॥১॥

সোঽপশ্যৎ সরিতং পূর্ণাং প্রাবৃট্কালে নবাম্ভসা। বৃক্ষান্ বহুবিধান্ পার্থ! হরন্তীং তীরজান্ বহূন্ ॥২॥

অথ চিন্তাং সমাপেদে পুনঃ কৌরবনন্দন। অম্ভস্যস্যা নিমজ্জেয়মিতি দুঃখসমন্বিতঃ ॥৩॥

ততঃ পাশৈস্তদাত্মানং গাঢ়ং বদ্ধ্বা মহামুনিঃ। তস্যা জলে মহানদ্যা নিমমজ্জ সুদুঃখিতঃ ॥৪॥

অথ ছিত্ত্বা নদী পাশাংস্তস্যারিবলসূদন! স্থলস্থং তমৃষিং কৃত্বা বিপাশং সমবাসৃজৎ ॥৫॥

গন্ধর্ব্বনা হায়খি—বশিষ্ঠনা মমা পুন্নমক য়াওবা আশ্রম অদুবু উবদা থোইদোকনা থবোই লোকনা বাখিদুনা আশ্রম অদুগী মমুক থোকখিদুনা চংথোকখে ॥১॥ মহাকনা কনি উবদে হায়বদু তুরেন অমা মীনা অদুগী মঙোম ঈশিংনা পুমথল থম্লি অদুগা তোর্ব্বান্দা লৌগিবা অতৌ অচৌবা উপাকী মমাদু চিংথেকদুনা চেল্লি ॥২॥ অর্জ্জুন! অদুগী তুমদা মমা কায়বগী মাহুদা বশিষ্ঠনা থৈরে অমুক তুরেন অদুবু উরগা অমুক থাজনাই—তুরেন অসিগী ঈশিংদা চোংথদুনা এই লুপথুগে ॥৩॥ অদুগী তুমদা ঊমী য়াদিনা থবোক অমুক লোইবা পুনশিনদুনা তুরেন অদুগী ঈশিংদা চোংথখরে ॥৪॥ অদুগী তুরেন অদুনা মহাক্কী পুক্লিদা পুন্নমক থম্ম, থাওদুনা অমা অসুক্না

উত্ততার ততঃ পাশৈর্বিমুক্তঃ স মহানৃষিঃ। বিপাশেতি চ নামাস্যা নদ্যাশ্চক্রে মহানৃষিঃ ॥৬॥
শোকে বুদ্ধিং তদা চক্রে ন চৈকত্র ব্যতিষ্ঠত। সোঽগচ্ছৎ পর্ব্বতাং শ্চৈব সরিতশ্চ সরাংসি চ ॥৭॥
স দৃষ্ট্বা পুনরেবর্ষির্নদীং হৈমবতীং তদা। চণ্ডগ্রাহবতীং ভীমাং তস্যাঃ স্রোতস্যপাতয়ৎ ॥৮॥
সা তমগ্নিসমং বিপ্রমনুচিন্ত্য সরিদ্বরা। শতধা বিদ্রুতা যস্মাচ্ছতদ্রুরিতি বিশ্রুতা ॥৯॥
ততঃ স্থলগতং দৃষ্ট্বা তত্রাপ্যাত্মানমাত্মনা। মর্ত্তুং ন শক্যমিত্যুক্ত্বা পুনরেবাশ্রমং যযৌ ॥১০॥
স গত্বা বিবিধান্ শৈলান্ দেশান্ বহুবিধাংস্তথা। অদৃশ্যন্ত্যাখ্যয়া বধ্বা তথাশ্রমেঽনুসৃতোঽভবৎ ॥১১॥
অথ শুশ্রাব সঙ্গত্যা বেদাধ্যয়ননিস্বনম্। পৃষ্ঠতঃ পরিপূর্ণার্থং ষড়্ভিরঙ্গৈরলঙ্কৃতম্ ॥ ১২ ॥
অনুব্রজতি কো ন্বেষ মামিত্যেবাথ সোঽব্রবীৎ। অদৃশ্যন্ত্যেবমুক্তা বৈ তং স্নুষা প্রত্যভাষত ॥১৩॥
শক্তের্ভার্য্যা মহাভাগ! তপোযুক্তা তপস্বিনী। অহমেকাকিনী চাপি ত্বয়া গচ্ছামি নাপরঃ ॥১৪॥

ইয়াওয়াউদবা মওংদা বশিষ্ঠবু লৈরাইদা লংখক্না থনমলে ॥৫॥ মতম অদুদা বশিষ্ঠনা উরী-স্বারিনা পুনবা অদুদগী ন'ঙ্খোকতুনা তুরেন অদুদগী কাথেল্লগা মহাককী মমিং "বিপাশা" হায়না থোল্লমই * ॥৬॥ মতম অদুদা বশিষ্ঠ হায়বসি মশাগী অৱাবা ফোংদোকপদা মঙায়রে, করিগুম্বা মফম অমদা চনিং তানা লৈখিদে, চীংদা, তুরেন্দা, পাৎতা, লম্বা'-তুম্বাংদা কোইচৎ-চত্তুন লৈখি। ৭॥ নোংমনা. হিমালায়-দগী চেম্বরকপা হিংসা তৌরবা ঈশিংগী জীবনা থল্লবা, অকিবগী মশক ফনা ঈরৈ কল্লবা তুরেন অমা উংনা বশিষ্ঠনা কল্লবা ঈবৈ অদুদা চোংথরে ॥৮॥ তুরেন অদুনা মৈগা মান্নবা তেজ লৈরবা বশিষ্ঠবু ব্রাহ্মণনি হায়না খংতুনা বল্লবা ঈথক্কা মহাকপু তোবর্ন্দা লংখৎলমলগা হান্নগী শরুক চামা ঈৰ কম্না চেনথি, মাতুদগী তুরেন অদুগী মমিং "শতদ্রু" হায়না কৌখি ॥৯। অদুগী তুদা বশিষ্ঠনা মতৌ অদুগুম্না শিগে হায়তুনা হাৎনকরবা ফাওবদা মশাবু কংফালদা লৈরম্বতু উবদা ঐ শিবা য়াররোই অসুম হায়না খন্দুনা আশ্রমদা অমুক হল্লক্লে ॥১০॥ মথল মথা অয়াম্বা চীং, তুরেন. দেশ কযা কযা লান্দুনা চৎলুরগা আশ্রমগী মনাক য়োরকপদা "অদৃশ্যন্তী" কৌবী মমৌ মুপী অসি বশিষ্ঠগী মতুং ইন্নরক্লে ॥১১॥ অদুগী তুংদা মহাক্কী তুংলোমদা বেদ পাঠ তৌবগী খোঞ্জেল অদু বশিষ্ঠনা তাখি, বেদগী ধ্বনি অদু ব্যাকরণনচিংবা অঙ্গ তরুক্কী কায়দ্রবা নিয়মনা য়েংলবা মপুং ফারবা অর্থ ফোংদোক্লবা, উদাত্তনচিংবা স্বরনা চপ চানা তিল্লবা হায়বদু ওইথি * ॥১২॥

অদুগী তুংদা বশিষ্ঠনা হাযখি—ঐগী তুংদা ইন্নরকইবা কনানো? মাসি তারবদা অদৃশ্যন্তী কৌবী মমৌনা হায়রকই ॥১৩। পুকচেল চাউরবা! ঐ অসি লুখ্রাবী ওইবীগী ব্রত কায়দনা চৎলিবী, তোল্লবী, নচা' নিপা অহন শক্তিগী লোইনবীনি, ঐ ইথন্তা কনাস্তু য়াওদনা তুং ইন্নরকলিবীনি,

টীকাঃ— বিমাশা হায়বদি— "বি" হায়বদি "হিগত" হায়বদি য়াওদ্রবা নাস্থাকথ্রবা হায়বনি। "মাশ" হায়বদি খৌরি নত্রগা লাবু হায়বনি। স্ত্রী প্রত্যয়গী আপ (টাপ্) হাপতুনা বিমাশা শব্দ অসি থোকখিবনি।

টীকা:— বেদগী অঙ্গ তরুক হায়বদি ব্যাকরণ, ছন্দ, শিক্ষা, কল্প, জ্যোতিষ, নিরুক্ত অসিনি। উদাত্তনচিংবা স্বর হায়বদি— উদাত্ত (অৱাংবা) অনুদাত্ত (অনেম্বা), স্বরিত (ময়াই ওইবা) খোঞ্জাং অহুম অসিনি। মমাংঙৈদা ঋষিকবিশিংনা বেদ পাঠ তৌবা মতমদা অমসুং শিষ্যশিংবু তম্বীবা মতমদা মেৎথকা খুৎনা থায়োগী মতৌ-ওননা খেন্দুনা হাগাই স্বরগুম অনেম অরাংগী খুদম অসি উৎলমই।

বশিষ্ঠ উবাচ।

পুত্রি! কস্যৈষ সাঙ্গস্য বেদস্যাধ্যয়নস্বনঃ। পুরা সাঙ্গস্য বেদস্য শক্তেরিব ময়া শ্রুতঃ ॥১৫॥

অদৃশ্যন্ত্যুবাচ।

অহং কুক্ষৌ সমুৎপন্নঃ শক্তের্গর্ভঃ সুতস্য তে। সমা দ্বাদশ তস্যেহ বেদানভ্যসতো মুনে! ॥১৬॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

এবমুক্তস্তয়া হৃষ্টো বশিষ্ঠঃ শ্রেষ্ঠভাগৃষিঃ। অস্তি সন্তানমিত্যুক্ত্বা মৃত্যোঃ পার্থ! ন্যবর্ত্তত ॥১৭॥

ততঃ প্রতিনিবৃত্তঃ স তয়া বধ্বা সহানঘ!। কল্মাষপাদমাসীনং দদর্শ বিজনে বনে ॥১৮॥

স তু দৃষ্ট্বৈব তং রাজা ক্রুদ্ধ উত্থায় ভারত!। আবিষ্টো রক্ষসোগ্রেণ ইয়েষাত্তুং তদা মুনিম্ ॥১৯॥

অদৃশ্যন্তী তু তং দৃষ্ট্বা ক্রূরকর্ম্মাণমগ্রতঃ। ভয়সংবিগ্নয়া বাচা বশিষ্ঠমিদমব্রবীৎ ॥২০॥

অসৌ মৃত্যুরিবোগ্রেণ দণ্ডেন ভগবন্নিতঃ। প্রগৃহীতেন কাষ্ঠেন রাক্ষসোঽভ্যেতি দারুণঃ ॥২১॥

তং নিবারয়িতুং শক্তো নান্যোঽস্তি ভুবি কশ্চন। ত্বদৃতেঽদ্য মহাভাগ! সর্ব্ববেদবিদাং বর! ॥২২॥

পাহি মাং ভগবন্ পাপাদস্মাদ্দারুণদর্শনাৎ। রাক্ষসোঽয়মিহাত্তুং বৈ নূনমাবাং সমীহতে ॥২৩॥

বশিষ্ঠ উবাচ।

মা ভৈঃ পুত্রি! ন ভেতব্যং রাক্ষসাত্তু কথঞ্চন। নৈতদ্রক্ষো ভয়ং যস্মাৎ পশ্যসি ত্বমুপস্থিতম্ ॥২৪॥

অতেংপ্পা অতৈ কনাস্নু য়াংদে ॥১৪॥ বশিষ্ঠনা হায়রকই— ইপাগী ইবেম্মা! এনা মমাংদৈদা শক্তিগী মচিন্দগী অঙ্গ তরুক্কা লোয়নবা বেদগী খোংজেল তাখিবা অইশুম্নত্রুনা ঙসি অঙ্গগা লোইননবা বেদ পাঠগী তাখিবা খোংজেল অসি কনাগিনো? ॥১৫॥ অদৃশ্যন্তীনা খুমখি— ঐশ্বর্য্য পুমনমক্কা তিল্লবা! ঐগী গর্ভদা ইচানিপা অমা লৈরৌরি, মসি নচা নিপা শক্তিগী অশেংবা মচানি, ঙসি ফাউবদা মহাক্কী চহি তরানিথোই শুবে, বেদ পাঠ তৌখিবদু নহাক্কি ॥১৬॥ গন্ধর্ব্বনা হায়— তাও, অর্জ্জুন! অদৃশ্যন্তীনা অসুম হায়রবা মতমদা মুনি অথোইবা বশিষ্ঠনা থোইদোক্না নুংঙাইখিত্রুনা "সু ঙাইরেদা বংশ মুত্রেদনা," অসুম হায়দুনা শিগে হায়না থনবা ব্রখল অদু থাদোকখি ॥১৭॥ অহগী তুংদা নমৌ মপীগা লোয়ননা আশ্রম লোমদা চত্লে, মীচিক মীরাংখোল তাত্রবা বনগী মনুংদা কল্মষপাদ নিংথৌনা ফমহনা লৈবমত্রু উবরে ॥১৮॥ অর্জ্জুন! অকিবা ফংলবা হি চাননা পুকম্নুংদ চংখ্রবা কল্মাষপাদ কৌবা নিংথৌ অত্রুনা বশিষ্ঠবু উবদা শাওখিত্রুনা মহাকপু চাগে হায়না থ রল ॥১৯॥ মতম অদুদা অদৃশ্যন্তীনা হিংসা তৌবদনা মহাক্কী স্বভাব ওইরবা নিংথৌ অত্রুনা মাদা লৈবম্মা অদু উবদা কিবনা থক থক নিক্লবা খোংজেলনা বশিষ্ঠদা হায়রকই ॥২০॥ ঐশ্বর্য্য পুম্নমক্কা তিল্লবা গুরুদেব! থাঙ্গেশেংবা অশিবা হায়বা লাক্ত অদুনী অকিবা ফংলবা মশক লৌত্রুনা হি চাবা অসি অকিবা ফংলবা চৈত্তুপ অমা থাঙ্গত্তুনা ঐখোয় রোমদা চেনশিল্লক্লি ॥২১॥ পুনচেল চাউরবা, ধর্ম্ম খংলবা গুরুদেব! গুরুদেব নত্তনা মহাকপু ডাকথোকপা কনাস্নু ডম্মরোই ॥২২॥ তপস্যাগী শক্তি পুম্নমক্কা থল্লবা গুরুদেব! গুরুদেবনা অকিবগী মশক ফংলবা পাপ চেল্লক্কা হিংচাবা অসিদগী ঐবু কনবিয়ু। ঙসিগী সুমিত্তা হিংচাবা অসিনা ঐখোয় অনিবু শোয়দনা চাথোকখিবা তারে ॥২৩॥ বশিষ্ঠনা হায়রকই— ইবেম্মা!

রাজা কল্মাষপাদোঽয়ং বীর্য্যবান্ প্রথিতো ভুবি। স এষোঽস্মিন্ বনোদ্দেশে নিবসত্যতিভীষণঃ ॥২৫॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

তমাপতন্তং সম্প্রেক্ষ্য বশিষ্ঠো ভগবানৃষিঃ। বারয়ামাস তেজস্বী হুঙ্কারেণৈব ভারত! ॥২৬॥

মন্ত্রপূতেন চ পুনঃ স তমভ্যুক্ষ্য বারিণা। মোক্ষয়ামাস বৈ শাপাত্তস্মাদ্ঘোরান্নরাধিপম্ ॥২৭॥

স হি দ্বাদশ বর্ষাণি বাশিষ্ঠস্যৈব তেজসা। গ্রস্ত আসাদ্গ্রহেণেব পর্ব্বকালে দিবাকর ॥২৮॥

রক্ষসা বিপ্রমুক্তোঽথ স নৃপস্তদ্বনং মহৎ। তেজসা রঞ্জয়ামাস সন্ধ্যাভ্রমিব ভাস্করঃ ॥২৯॥

প্রতিলভ্য ততঃ সংজ্ঞামভিবাদ্য কৃতাঞ্জলিঃ। উবাচ নৃপতিঃ কালে বশিষ্ঠমৃষিসত্তমম ॥৩০॥

সৌদাসোঽহং মহাভাগ! যাজ্যস্তে মুনিসত্তম!। অস্মিন্ কালে যদিষ্টন্তে ব্রূহি তৎ করবাণি কিম্ ॥৩১॥

বশিষ্ঠ উবাচ।

বৃত্তমেতদ্যথাকালং গচ্ছ রাজ্যং প্রশাধি বৈ। ব্রাহ্মণাংস্তু মনুষ্যেন্দ্র! মাবমংস্থাঃ কদাচন ॥৩২॥

রাজোবাচ।

নাবমংস্যে মহাভাগ! কদাচিদ্ব্রাহ্মণর্ষভান্। ত্বন্নির্দেশে স্থিতঃ সম্যক্ পূজয়িষ্যাম্যহং দ্বিজান ॥৩৩॥

ইক্ষ্বাকূণাঞ্চ যেনাহম অনৃণঃ স্যাং দ্বিজোত্তম!। তত্ত্বত্তঃ প্রাপ্তুমিচ্ছামি সর্ব্ববেদবিদাং বর! ॥৩৪।

করিমতা কিগন্নু, হিংচাবা অসিগী মফমদগী ঐখোযগী করিমতা কিফম লৈতে, মবমদি, মহাক্না চাথ্রগনি হায়না নংনা কিবিবা মীশক অসে হিংচাবা নত্তে ॥২৪॥

মহাক অসি জগত্তা মপাঙ্গল কল্লি হায়না ফাউববা কল্মাষপাদ কৌবা নিংথৌ অদুনি, মহাক্না অকিবগী মশক ফংলবা মূর্ত্তি লৌদুনা বন অসিদা লৈবিবনি ॥২৫॥ গন্ধর্ব্বনা হায়—ভাও অর্জ্জুন! ভগবান বশিষ্ঠ মুনিনা চংশিল্লকইবা হিংচাবা অহবু মুন্না যেংদুনা ঙংদুনা কাম্বতনা হিংচাবা অদুবু চংহল্লক্তনা থিংদুনা থমখি ॥২৬॥ অদুদগী মন্ত্রনা শেংদোক্লবা ঈশিংনা চাইদুনা নিংথৌ অদুবু অকিবগী মশক ফংলবা শাপতগী কোকপিথি ॥২৭॥ আমাবস্যাগী তিথিদা সুমিৎপু রাহুনা উমদুনা থম্বগুম কল্মাষপাদ কৌবা নিংথৌ অসি বশিষ্ঠগী মচানিপা শক্ত্রিগী শাপনা চহি তরানিথোই চুপনা বুপ্পুনা পনমলবনি ॥২৮॥ হিংচাবনা মহাকপু থাদোকতুনা চৎখরবা অদুদগীদি রাহুনা থাদোক্লবা সুমিৎনা সুমিদাং ৱাইরমগী নিংথিরবা মশেকনা মূরবা নোংবু ঙাঙ্গংননা ফজহনবগুম কল্মাষপাদনা মহাকী মঙালনা অদুক চাউরবা বন অদু পুমঙান ঙান্না ফজহনখি ॥২৯॥ অদুগী তুংদা নিংথৌ অদুনা হান্নগী জ্ঞান অমদি ৱাখল্লচিংবা অহু অমুক ফংলকতুনা নোললুকনা খুংলোম্নদুনা বশিষ্ঠদা হায়জরকই ॥৩০॥ হে পুকচেল চাউরবা ঋষি অথোইবা! ননাই ঐ সৌদাস হায়বা অদুনি, গুরুদেবগী যজমাননি। গুরুদেবনা অসুম তৌজৌ হায়বদু তাকপিয় করি তৌজৌ হায়থগে ॥৩১॥ বশিষ্ঠনা হায়—নংগী থোকখরিবা থৌদোক অসে মতম চানা থোকখরবনি। চৎলো হৌজিক্তি, লৈবাক ঙাকলুরো, অদুগা নিংথৌ! মতুং মনাওদি ব্রাহ্মণদা থক অপমান তৌকনুকো ॥৩২॥ নিংথৌনা হায়রকই—পুকচেল চাউরবা! ননাই ঐ মতুং মনাও ব্রাহ্মণবু থক উশিংথোওইদবা তৌজররোই; মাহগী মহুতা গুরুদেবগী য়াথংগী মখা পোন্না ব্রাহ্মণ পুম্নমকপু লুনা তৌজরগনি ॥৩৩॥ হে ব্রাহ্মণ অথোইবা! বেদ খংবগী মনুংদা লুচিংবা! ইক্ষ্বাকু বংশগী ইবুধৌশিংগী মফমদা

অপত্যমীপ্সিতং মহ্যং দাতুমর্হসি সত্তম।। শীলরূপগুণোপেতমিক্ষ্বাকুকুলবৃদ্ধয়ে ।।৩৫।।

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

তথেত্যেব তং তত্র রাজানং প্রত্যুবাচ হ। বশিষ্ঠঃ পরমেষ্বাসং সত্যসন্ধো দ্বিজোত্তমঃ ।।৩৬।।
ততঃ প্রতিযযৌ কালে বশিষ্ঠঃ সহ তেন বৈ। খ্যাতাং পুরীমিমাং লোকেষ্বযোধ্যাং মনুজেশ্বর ।।৩৭।।
তং প্রজাঃ প্রতিমোদন্ত্যঃ সর্বাঃ প্রত্যুদ্গতাস্তদা। অপাপ্মানং মহাত্মানং দিবৌকস ইবেশ্বরম্ ।।৩৮।।
সুচিরায় মনুষ্যেন্দ্রো নগরীং পুণ্যলক্ষণাম্। বিবেশ সহিতস্তেন বশিষ্ঠেন মহর্ষিণা ।।৩৯।।
দদৃশুস্তং মহীপালমযোধ্যাবাসিনো জনাঃ। পুরোহিতেন সহিতং দিবাকরমিবোদিতম্ ।।৪০।।
স চ তাং পূরয়ামাস লক্ষ্ম্যা লক্ষ্মীবতাং বরঃ। অযোধ্যাং ব্যোম শীতাংশুঃ শরৎকাল ইবোদিতঃ ।।৪১।।
সংসিক্তমৃষ্টপন্থানং পতাকাধ্বজশোভিতম্। মনঃ প্রহ্লাদয়ামাস তস্য তৎ পুরমুত্তমম্ ।।৪২।।
তুষ্টপুষ্টজনাকীর্ণা সা পুরী কুরুনন্দন। অশোভত তদা তেন শক্রেণেবামরাবতী ।।৪৩।।
ততঃ প্রবিষ্টে রাজর্ষৌ তস্মিংস্তৎ পুরমুত্তমম্। রাজ্ঞস্তস্যাজ্ঞয়া দেবী বশিষ্ঠমুপচক্রমে ।।৪৪।।
মহর্ষিঃ সংবিদং কৃত্বা সম্বভূব তয়া সহ। দেবীং দিব্যেন বিধিনা বশিষ্ঠঃ শ্রেষ্ঠভাগৃষিঃ ।।৪৫।।

ঐমা তৌমিবা লম্মন অসি করম তৌরগা কোকদগে হায়দুবগী উপায় অহ গুরুদেবদগী ফংজনিংঙি ইক্ষ্বাকু বংশগী চাউখৎনবগী মশক ওইবা রূপ-গুণ চংখোল্লবা ইচানিপা অমতং গুরুদেবনা পীবিয়ু ।।৩৫।। গন্ধর্বনা হায—তাও, অর্জ্জুন। মশক চেৎলবা, ব্রাহ্মণ অথোইবা বশিষ্ঠনা খুকল পাঙ্গল্লবা নিংথৌদা হায়রকই—কৈ, নঙোন্দা ঐ নচা পীগনি ।।৩৬।। অর্জ্জুন। অদুগী তুংদা বশিষ্ঠনা নিংথৌ অদুগা লোয়ননা মতম চানা জগতা ফাউরবা অযোধ্যা নগর তাম্না চৎখি ।।৩৭।। মতম অদুদা দেবতাশিংনা চেম্মোরক্তুনা দেবরাজ ইন্দ্রবু ওকপগুম প্রজা পুমনমকনা মথন্নাই মুঙায়না পাপ য়াও-দ্রবা, পুকচেল চাওরবা নিংথৌবু চেম্মোরক্তুনা ওকখি ।।৩৮।। অদুগী তুংদা মতম কুইনগী তুংদা নিংথৌনা মহর্ষি বশিষ্ঠগা লোয়ননা অযোধ্যা নগরীদা চংখি ।।৩৯।।

মতম অদুদা অযোধ্যাগী প্রজাশিংনা নৌনা থোরকপা নুমিৎকী মশক উবগুম বশিষ্ঠগা লোয়ননা নিংথৌবু উবা ফংখি ।।৪০।। সরৎ ঋতুদা থোকপা থানা মহাক্কী মঙাল্না অতিয়া পুমনমক পুমঙাল তাম্না কক্সহনবগুম নিংথৌনা মহাক্কী মঙাললনা অযোধ্যা নগরী অদুবু মপুং ফানা ফজহনখি ।।৪১।। মীনাই মীশনশিংনা নিংথৌনা লাক্লিংকৈগী মমাংদা অচৌ অচৌবা রাজপথ পুমনমক শেংদোক থোংতোকতুনা থনল্লবনি অমগা নৈরক খুল্লক পুমনমক মকম মফমদা ফিরানাচিংবা থেত্তুনা থনল্লবনি; অদুনা অযোধ্যা পুরী অদুমক্না নিংথৌগী পুক্নিংবু নুংঙায়হল্লমই ।।৪২।। গন্ধর্বনা হায়—তাও অর্জ্জুন। মমা মও থনবা প্রজাশিংনা থল্লবা অযোধ্যা নগরী অদো ইন্দ্রনা লাকপদা অমরাবতী পুরীনা থমজবগুম থোইদোক্না লিংখিজখি ।।৪৩।। মতৌ অদুমনা রাজর্ষি কল্মাষপাদনা পুক্নিং হৌনা নিংখিজরবা অযোধ্যানগরীগী অন্তঃপুর মনুংদা চংলক্লগা মহাক্কী য়াথং মতুংইন্না মহারাণীনা চংশিন্নজুনা বশিষ্ঠবু তরাম ত্নাদনা খুরুমজনা ওকই ।।৪৪।। মুনি অথোইবা বশিষ্ঠনা য়াশক্তুনা মাহাক্কী মতুং ইন্না অনাম মুংশিংগী বাথল ইরাও য়াওদনা নিংথৌগী অকা শীতে হায়রবগী মথক্তা অচীকপদা মহারাণীনা

ততস্তস্যাং সমুৎপন্নে গর্ভে স মুনিসত্তমঃ। রাজ্ঞাভিবাদিতস্তেন জগাম পুনরাশ্রমম্ ॥৪৬॥
দীর্ঘকালেন সা গর্ভং সুষুবে ন তু তং যদা। তদা দেব্যশ্মনা কুক্ষিং নির্বিভেদ যশস্বিনী ॥৪৭॥
ততো দ্বাদশমে বর্ষে স জজ্ঞে পুরুষর্ষভঃ। অশ্মকো নাম রাজর্ষিঃ পৌদন্যং যো ন্যবেশয়ৎ ॥৪৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি চৈত্ররথে
বাশিষ্ঠে সৌদাসসুতোৎপত্তির্নাম সপ্তত্যধিকশততমোঽধ্যায় ॥০॥

—:(*):—

উনখি ॥৪৫॥ অহগী তুংদা মহারাণীনা গর্ভ পুরবদা নিংথৌনা বশিষ্ঠদা চং না থুরম্মি, অমুগী তুংদা বশিষ্ঠসু মহাক্কী আশ্রমদা চৎখি ॥৪৬॥ অসোমদা মহারাণীসু মতম কুইনা গর্ভ পুরকতনম্ম ইপোক পোকখিদ্রবা অতুদা থাংবা ভমত্রহনা থৌরবা সুং মচেৎ অমনা থিঙ্গায়রুরে ॥৪৭॥ চহি তরানিথোই চুপ্পা পুকমুংদা লৈকরবা জীব অহ মপাল থোরক্রে। মহাক অসি তুংদা নিপাগী মসুংদা অথোইবা ওইহনা মতুংদা "অশ্মক" অমুম হায়না ফাউরবা রাজর্ষি অমা ওইহনা পৌদন্য হায়না কৌবা নগরী অহ লিংখত্নুনা থুংকন পাঙ্গম্মা পানখি ॥৪৮॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা চৈত্ররথগী মনুংদা বশিষ্ঠদাসৌদাসসুতোৎপতি কৌবা চামগা হমফুতরা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

(ঔর্ব্ব পোকপা)

(চামা হন্দ্কুতরামাথোই শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

আশ্রমস্থা ততঃ পুত্রমদৃশ্যন্তী ব্যজায়ত। শক্তেঃ কুলকরং রাজন্! দ্বিতীয়মিব শক্তিনম্ ॥১॥
জাতকর্ম্মাদিকাস্তস্য ক্রিয়াঃ স মুনিসত্তমঃ। পৌত্রস্য ভরতশ্রেষ্ঠ! চকার ভগবান্ স্বয়ম্ ॥২॥
পরাসুঃ স্থাপিতস্তেন বশিষ্ঠঃ স যতো মুনিঃ। গর্ভস্থেন ততো লোকে পরাশর ইতি স্মৃতঃ ॥৩॥

গন্ধর্ব্বনা হায়খি—অর্জুন! অসোয়দা বশিষ্ঠগী মমৌ সুপী অদৃশ্যন্তী কৌবী অসিগী আশ্রমদা লৈন-লৈনা শক্ত্রিগী বংশবু মুত্তনবা অনিশুবা শক্ত্রিগী মতৌগুবা মচা অমা পোকখি ॥১॥ মুনি অথোইবা বশিষ্ঠনা মশুনিপা অসিগী অতাং পোকপগী হৌনবা জাত কর্ম্ম পুম্নমক মখংমনাও নাইনা পাংথোকখি ॥২॥ শক্তিগী মচা অসি বংশবু মুত্তনবা তারুগা শাগে মুৎলগদরা হায়না অশিবনী মতৌঙ্গম ... তাকনা লৈরবা মতমদা মহাক্না পোক্নকৃমা বশিষ্ঠবু সুংতারহনখি হায়রগীদমক

অমন্যত স ধর্ম্মাত্মা বশিষ্ঠং পিতরং মুনিম্ । জন্মপ্রভৃতি তস্মিংস্তু পিতরীব ব্যবর্ত্তত ।।৪।।
স তাত ইতি বিপ্রর্ষিং বশিষ্ঠং প্রত্যভাষত । মাতুঃ সমক্ষং কৌন্তেয় ! অদৃশ্যন্ত্যাঃ পরন্তপ ! ।।৫।।
তাতেতি পরিপূর্ণার্থং তস্য তন্মধুরং বচঃ । অদৃশ্যন্ত্যশ্রুপূর্ণাক্ষী শৃণ্বতী তমুবাচ হ ।।৬।।
মা তাত তাত তাতেতি ব্রূহ্যেনং পিতরং পিতুঃ । রক্ষসা ভক্ষিতস্তাত ! তব তাতো বনান্তরে ।।৭।।
মন্যসে যং তু তাতেতি নৈষ তাতস্তবানঘ ! । আর্য্য এষ পিতা তস্য পিতুস্তব যশস্বিনঃ ।।৮।।
স এবমুক্তো দুঃখার্ত্তঃ সত্যবাগৃষিসত্তমঃ । সর্ব্বলোকবিনাশায় মতিং চক্রে মহামনাঃ ।।৯।।
তং তথা নিশ্চিতাত্মানং স মহাত্মা মহাতপাঃ । ঋষির্ব্রহ্মবিদাং শ্রেষ্ঠো মৈত্রাবরুণিরগ্রবীঃ ।
বশিষ্ঠো বারয়ামাস হেতুনা যেন তচ্ছৃণু ।।১০।।

বশিষ্ঠ উবাচ ।

কৃতবীর্য্য ইতি খ্যাতো বভূব পৃথিবীপতিঃ । যাজ্যো বেদবিদাং লোকে ভৃগূণাং পার্থিবর্ষভঃ ।।১১।।
স তানগ্রভুজস্তাত ! ধান্যেন চ ধনেন চ । সোমান্তে তর্পয়ামাস বিপুলেন বিশাংপতিঃ ।।১২।।
তস্মিন্ নৃপতিশার্দ্দূলে স্বর্যাতেঽথ কথঞ্চন । বভূব তৎকুলেয়ানাং দ্রব্যকার্য্যমুপস্থিতম্ ।।১৩।।
ভৃগূণাং ধনং জ্ঞাত্বা রাজানঃ সর্ব্ব এব তে । যাচিষ্ণবোঽভিজগ্মুস্তাংস্ততো ভার্গবসত্তমান্ ।।১৪।।

"পরাশর" অসুম হায়রুনা জগত্তা কাওরবা মুনি অমা ওইখি ।।৩।। পরাশরনা বশিষ্ঠবু মপানি হায়না খনখি ; মচা অমনা মপাগী মফমদা চৎকদবা লমচৎ অদু পরাশরনা বশিষ্ঠগী মফমদা পোক-পদগী হৌনা চৎখি ।।৪।। মহাকনা মমা অদৃশ্যন্তীগী মমাংদা বশিষ্ঠবু মপাগুম পিতা—পিতা । হায়না কৌখি ।।৫।। নোংমা মবুধো বশিষ্ঠগী মফমদা পিতা হায়না কৌবা মচাগী মুংশিরবা ৱাহৈ অসি তাবদা অদৃশ্যন্তীনা মিৎলুদগী পি শিন্থুনা মচা পরাশরদা হায়খি ।।৬।। ইবুংঙো ! নংনা নবুধোদা পিতা—পিতা হায়না কৌবসি তৌগনু , নহাক্কী নপাদি বনগী মনুংদা হিংচাবা অমনা হাৎতুনা চাখরবনি ।।৭।। ইবুংঙো ! নংনা নপানি হায়না খল্লিবা অসে নংবু পোকপা নপা নত্তে, পূজা তৌনবগী মশক ওইরবা নপাবু পোকপা নবুধৌনি খংউ ।।৮।। মমানা অসুম হায়রবদা অচুম্বদা চুংলবা ঋষি অথোইবা পরাশরনা থোইনা মুত্তায়খিত্রহনা জগত্তা লৈরিবা হিংচাবা পুমনমক হাৎকে হায়না খনখি, মহাক্না পুক্নিংদা অসুম লেপখরে হায়বসি তাবদা মিত্রাবরুণগী মচা, শিংলবা, বেদ হৈবগী মনুংদা খৱাইদগী অথোইবা অমসুং তপস্বী পুন্নমক্কী লুচিংবা বশিষ্ঠনা মগুনিপাবু থেমজিনখিবা ৱারি মতাংদো তাউ ।।১০।।

বশিষ্ঠনা হায়খি—বেদ হৈরবা ভৃগুবংশগী যজমান ওইবা কৃতবীর্য্য কৌবা কাওরবা নিংথৌ [illegible] [illegible] ।।১১।। হায়রিবা কৃতবীর্য্য কৌবা নিংথৌ অসিনা মহাক্কী সোমযাগ কৌবা যজ্ঞ [illegible] [illegible] মশক ওইনা [illegible] পুম্নমকনা ভৃগুবংশগী ব্রাহ্মণশিংবু [illegible] ।।১২।। [illegible] [illegible] কৃতবীর্য্যনা [illegible] [illegible] [illegible] শাক্লে নাটেম্বিগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমা [illegible] ।।১৩।। [illegible] [illegible] [illegible] পুন্নমক ভৃগুবংশগী ব্রাহ্মণশিংগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নিংগে [illegible] কৃতবীর্য্যগী [illegible] [illegible] ভৃগুবংশগী

ভূমৌ তু নিদধুঃ কেচিদ্ভৃগবো ধনমক্ষয়ম্ । দদুঃ কেচিদ্দ্বিজাতিভ্যো জ্ঞাত্বা ক্ষত্রিয়তো ভয়ম্ ॥১৫॥
ভৃগবস্তু দদুঃ কেচিত্তেষাং বিত্তং যথেপ্সিতম্ । ক্ষত্রিয়াণাং তদা তাত ! কারণান্তরদর্শনাৎ ॥১৬॥
ততো মহীতলং তাত ! ক্ষত্রিয়েণ যদৃচ্ছয়া । খনতাধিগতং বিত্তং কেনচিদ্ভৃগুবেশ্মনি ॥১৭॥
তদ্বিত্তং দদৃশুঃ সর্বে সমেতাঃ ক্ষত্রিয়র্ষভাঃ । অবমন্য ততঃ ক্রোধাদ্ভৃগূংস্তান্ শরণাগতান্ ॥১৮॥
নিজঘ্নুঃ পরমেষ্বাসাঃ সর্বাংস্তাংস্ নিশিতৈঃ শরৈঃ । আগর্ভাদবকৃন্তন্তশ্চেরুঃ সর্বাং বসুন্ধরাম্ ॥১৯॥
তত উচ্ছিদ্যমানেষু ভৃগুষেবং ভয়াত্তদা । ভৃগুপত্ন্যো গিরিং দুর্গং হিমবন্তং প্রপেদিরে ॥২০॥
তাসামন্যতমা গর্ভং ভয়াদ্দধ্রে মহৌজসম্ । ঊরুণৈকেন বামোরুর্ভর্তুঃ কুলবিবৃদ্ধয়ে ॥২১॥
তং গর্ভমুপলভ্যাশু ব্রাহ্মণ্যেকা ভয়ার্দ্দিতা । গত্বা বৈ কথয়ামস ক্ষত্রিয়াণামুপহ্বরে ॥২২॥
ততস্তে ক্ষত্রিয়া জগ্মুস্তং গর্ভং হন্তুমুদ্যতাঃ । দদৃশুর্ব্রাহ্মণীং তেঽথ দীপ্যমানাং স্বতেজসা ॥২৩॥
অথ গর্ভঃ স ভিত্ত্বোরুং ব্রাহ্মণ্যা নির্জগাম হ । মুষ্ণন্ দৃষ্টীঃ ক্ষত্রিয়াণাং মধ্যাহ্ন ইব ভাস্করঃ ।
ততশ্চক্ষুর্বিহীনাস্তে গিরিদুর্গেষু বভ্রমুঃ ॥২৪॥

ব্রাহ্মণশিংগী মফমদা চৎবি ॥১৪॥ কনা কনাগুম্বা ভৃগুবংশগী মীশিংদি মখোয়গী লন-থুম অহু আং-ভাখিদনবা হায়দুনা লৈনুংদা কোম তৌরগা-ক্ষত্রি, অহগা কনা কনাগুম্বনা ক্ষত্রিয়শিংনা নমহৌখিবা তারে হায়না কিদুনা মাংজোননা ব্রাহ্মণশিংদা য়েন্থোকখি ॥১৫॥ অদুগা কনা কনাগুম্বনা ক্ষত্রিয়শিংদা পীত্রবাদ নমহনা মুন্দুনা লৌখিগদবা মরৈরে হায়না থম্লহনা হায়্না ক্ষত্রিয়শিংগী মফমদা মখোয়না অপ'ম অপাম্বা লন থুম য়েন্থোকলমই ॥১৬॥ ইবুংঙো ! অদুগী তুংদা কনাগুম্বা ক্ষত্রিয় অমনা কনাগুম্বা ভৃগুবংশগী ব্রাহ্মণ অমগী ইমুংদা লৈপাক তৌথোক্তুনা য়েংলুবদা লাইনা তমখিবনা লন থুম থর ফংলুরে ॥১৭॥ অদুগী তুংদা ক্ষত্রিয় ময়াম হৌরক্তুনা শাওনিংবনা, মখোয়দা চংজদনা লৈরিবা ভৃগুবংশগী ব্রাহ্মণশিং অদুবু থৌওই উশিল্লতুনা মীগী ময়মদা চংলক্তুনা লন-থুম অহু য়েংগে লাক্ল ॥১৮॥ অদুগী তুংদা খুজু খুৎলাই হৈরবা মপাঙ্গল কল্লবা ক্ষত্রিয় মচাশিংনা থৌর-থৌরবা তেন কাপলক্তুনা ভৃগুবংশগী ব্রাহ্মণশিংবু হাৎখি, করি অমুক হায়গনি গর্ভদা লৈরিবা অঙাং কাওবা হাৎলহনা মফম পুম্নমক্তা কোইচৎ চংলা হৌরক্লে ॥ ১৯ ॥

মতৌ অসুম্না ভৃগুবংশ পুম্নমক লোইনা মুৎশিল্লরবদা মখোয়গী মুপী নহাশিং পুম্নমক কিবনা চংঙমত্রবা শোংলবা হিমায়ল চীংদা চত্তুনা লোৎখি ॥২০॥ মখোয়গী মরক্তা কনাগুম্বী ভৃগুবংশ ব্রাহ্মণী মৌ অমনা মপুরোইবগী বংশ অদো মুত্তনবা কায়হনা ক্ষত্রিয়শিংবু কিবনা মহাক্কী গর্ভ অহু মকৈগন্দা পুখি ॥ ২১ ॥ মাতুদা কনাগুম্বী ব্রাহ্মণী অমনা মহাক্না পুরিবা গর্ভ অদুগী বিষয় অহু মুম্না খংলতুনা ক্ষত্রিয়শিং করিগুম্বা খংথরবদি মাংবা তারে হায়না কিথরদুনা লোম্না চংখিদুনা বাসি মখোয়দা হায়্না তমথোকউরে ॥২২॥ অদু তাবদা ক্ষত্রিয়শিংনা ফগন্দা পুরিবা গর্ভ অদু মাংহনগে হায়না থুৎলরে ; অদুগী তুংদা মখোয় পুক্রমকনা, মশা মথক্তগী মশেক ... ইলং-শংনা ... লৈরবী ব্রাহ্মণী অহু উররে ॥২৩॥ অদুগী গর্ভ অদুনা ব্রাহ্মণীগী কৈ ম ... হোগাক্লনা চোংথোরকতুনা, নুমিৎ মুংবা মতমগী চাকলবা নুমিৎকী মতৌগুম্বা ক্ষত্রিয়শিংগী মমিৎ উবগী শক্তি অহু মাংহন্নলুনা থুনক্তা চোংথোরকলে । অদুগী ক্ষত্রিয়শিং অদুহু মমিৎ কাংনদনা

ততস্তে মোঘসঙ্কল্পা ভয়ার্ত্তাঃ ক্ষত্রিয়াঃ পুনঃ। ব্রাহ্মণীং শরণং জগ্মুর্দৃষ্ট্যর্থং তামনিন্দিতাম্ ॥২৫॥
উচুশ্চৈনাং মহাভাগাং ক্ষত্রিয়াস্তে বিচেতসঃ। জ্যোতিঃ প্রহীণা দুঃখার্ত্তাঃ শান্তার্চ্চিষ ইবাগ্নয়ঃ ॥২৬॥
ভগবত্যাঃ প্রসাদেন গচ্ছেৎ ক্ষত্রমনাময়ম্। উপারম্য চ গচ্ছেম সহিতাঃ পাপকর্ম্মণঃ ॥২৭॥
সপুত্রা ত্বং প্রসাদং নঃ কর্ত্তুমর্হসি শোভনে। পুনর্দৃষ্টিপ্রদানেন রাজ্ঞঃ সন্ত্রাতুমর্হসি ॥২৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
চৈত্ররথে ঔর্ব্বে একসপ্তত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:(*):——

মতম খরদা চীংলক অতুদা মকম মরাং থংদনা কোয়চৎ চত্নুনা লৈখি ॥২৪॥ মতুং অদুদা নিংবা কায়রবা অমম্লুং থোইনা কিরবা ক্ষত্রিয়শিং অতুনা মমিৎ উনিংতুনা থাগৎনিংডায় ওইরবী ব্রাহ্মণী অদুগী মকমদা চংজদুনা হায়জখি ॥২৫॥ মুৎকদৌরবা মৈগী মতৌগুম মিৎকী শক্তি য়াওদ্রবা ক্ষত্রিয়শিং অদুনা অসুম হায়খি—লাইরেনবী! অতোপ অতোপ্পা ক্ষত্রিয়শিংনা নংগী থৌজান্দগী মমিৎ উহনা চৎচখিগনি অদুগা ঐখোয়স্ম অসিগুম্বা পাপকী থবক অসি অমুক হন্না তৌদনা ঐখোয় মযাম অমতা ওইনা ইমিৎ উহনা চৎখিগে ॥২৬—২৭॥ মরম অদুনা ঐখোয় পুন্নমকপু চানবিয়ু, উননবা শক্তি অমুক হন্না পীবিদুনা ক্ষত্রিয় ঐখোয় পুন্নমক কনবিয়ু ॥২৮॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা চৈত্ররথদা ঔর্ব্বদা চামগা হন্ষুতরামাথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম্

(ঔর্ব্ববু থিংবগী ৱারী)

(চাম হমযুক্লানিথোই শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

ব্রাহ্মণ্যুবাচ।

নাহং গৃহ্ণামি বস্তাতাঃ! দৃষ্টীর্নাস্মি রুষান্বিতা। অয়ন্তু ভার্গবো নূনমূরুজঃ কুপিতোঽস্ত বঃ ॥১॥
তেন চক্ষুংষি বস্তাতাঃ! ব্যক্তং কোপান্মহাত্মনা। স্মরতা নিহতান্ বন্ধূনাদত্তানি ন সংশয়ঃ ॥২॥

ব্রাহ্মণীনা হায়খি— ইবুংঙোখোয়! ঐনা শাওদুনা নখোয়গী মিৎকী শক্তিবু মাংহনখিবা নৈত্তে, অহা, ঐগী যৈগন্দগী পোকখিবা ভৃগুবংশগী ব্রাহ্মণ অতাং অসিনা নখোয়গী মকমদা য়াম্না শাওথ্র-

গর্ভানপি যদা যূয়ং ভৃগূণাং ঘ্নত পুত্রকাঃ। তদাঽয়মূরুণা গর্ভো ময়া বর্ষশতং ধৃতঃ ॥৩॥
ষড়ঙ্গশ্চাখিলো বেদ ইমং গর্ভস্থমেব হ। বিবেশ ভৃগুবংশস্য ভূয়ঃপ্রিয়চিকীর্ষয়া ॥৪॥
সোঽয়ং পিতৃবধাদ্ব্যক্তং ক্রোধাদ্বো হন্তুমিচ্ছতি। তেজসা তস্য দিব্যেন চক্ষুংষি মুষিতানি বঃ ॥৫॥
তমেব যূয়ং যাচধ্বমৌর্ব্বং মম সুতোত্তমম্। অয়ং বঃ প্রণিপাতেন তুষ্টো দৃষ্টীঃ প্রমোক্ষ্যতি ॥৬॥

বশিষ্ঠ উবাচ।

এবমুক্তাস্ততঃ সর্বে রাজানস্তে তমূরুজম্। উচুঃ প্রসীদেতি তদা প্রসাদঞ্চ চকার সঃ ॥৭॥
অনেনৈব চ বিখ্যাতো নাম্না লোকেষু সত্তমঃ। স ঔর্ব্ব ইতি বিপ্রর্ষিরূরুং ভিত্ত্বা ব্যজায়ত ॥৮॥
চক্ষুংষি প্রতিলব্ধা চ প্রতিজগ্মুস্ততো নৃপাঃ। ভার্গবস্তু মুনির্মেনে সর্বলোকপরাভবম্ ॥৯॥
স চক্রে তাত! লোকানাং বিনাশায় মহামনাঃ। সার্ব্বযামেব কাৎস্ন্যেন মনঃ প্রবণমাত্মনঃ ॥১০॥
ইচ্ছন্নপচিতিং কর্ত্তুং ভৃগূণাং ভৃগুনন্দনঃ। সর্ব্বলোকবিনাশায় তপসা মহতৈধিতঃ ॥১১॥
তাপয়ামাস লোকান্ স সদেবাসুরমানুষান্। তপসোগ্রেণ মহতা নন্দয়িষ্যন্ পিতামহান্ ॥১২॥

মাল্লে, অদুনা অশাওবগী মথা পোনখিদুনা নখোযগী মিৎকী শক্তিবু মহাকনা মাংহল্লবনি ॥২॥ ইচাশা নখোয়না ভৃগুশাগৈগী মুপীশিং অসিগী গর্ভদা লৈবা জীব পুম্নমক মাংহনখরবনি, মতম অদুদা ঐন্দু নখোযনা খংখরগনি হায়দুনা মতম অসুক কুইনা ফৈগন্দা পুহনা লাক্লিবনি ॥৩॥ অঙ্গ তকক্কা লোয়নরবা বেদ পুম্নমক্কা ভৃগুবংশগী মুংওযনবগী দমক্কা গর্ভদা লৈরিবৈদগী হোৌনা অঙাং অসিগী থমোইদা ভান্দুনা লৈখরবনি ॥ ৪ ॥ অঙাং অসিনা মপা হাংখিবগী মুভায়তবা অশাওবনা নখোয় পুম্নমকপু হাৎকে হায়নমু খনখরবনি অমসুং মহাক্কী মীরমলেন্দা ওইথরবা ব্রহ্ম তেজ্রতনা নখোয় পুমনমক্কী মিৎকী শক্তিবু মাংহনখিবনি ॥ ৫ ॥

মরম অদুনা নখোয় পুমনমক্কা ঐগী ইচা "ঔর্ব্ব" * অসিগী মফমদা চংহনা হায়জৌ, নখোয়না হায়জবা অদুদা পেন্দুনা মহাক্কা লৌশিলখিবা মিৎকী শক্তি অদু মরাইনা থাদোকচরকনি ॥৬॥ বশিষ্ঠনা হায়রখি— ব্রাহ্মণী হদুনা অসুম হায়বদা ক্ষত্রিয় পুমনমক অদুনা ঔর্ব্বগী মফমদা চংজদুনা হায়জখি— ব্রাহ্মণ! ঐখোয় পুমনমক লাল্লে, চানবিয়ু। মথোয়না হায়জবদুদা ঔর্ব্বসু অশাওবা কোক্তনা চানবিখি॥ ৭ ॥ মনাগী উরুদগী হায়বদি কৈগন্দগী থিঙ্গায়দুনা পোকখি হায়বগী দমক ব্রহ্মর্ষি অথোইবা অসি ঔর্ব্ব অসুম হায়না জগত্তা ফাওখি ॥৮॥ অদুগী তুংদা অমুক হন্না মমিৎ উদুনা চৎনখি; থৌদোক অসিদগী ঔর্ব্ব মুনিনসু ক্ষত্রিয় পুমনমক মথুত্তা মায়থিবা ফংখরবনি হায়না খনখি ॥ ৯ ॥ ইবুংঙো! অদুগী তুংদা ঔর্ব্ব অসিসু মহাক্কী ব্রহ্মতেজনা মী পুমনমক মাংহনগে হায়না খল্লক্রে ॥ ১০ ॥ মহাক্কা ভৃগুশাগৈগী তৌবাওব্বা মতিক মগুণবু হেনগৎহনগে হায়বগী দমক লোক পুমনমকপু মুৎহল্লনবা অকনবা তপস্যা তৌবা হৌখি ॥১১॥

মহাক্কা মপা মপূ পুমনমক লোইনা মুংহয়হনগনি হায়দুনা অকিবগী মশক ফংলবা তপস্যা

(*) টীকা:— উরুদগী পোকই হায়দুনা ঔর্ব্ব হায়বনি।

ততস্তং পিতরস্তাত ! বিজ্ঞায় কুলনন্দনম্ । পিতৃলোকাদুপাগম্য সর্ব্ব ঊচুরিদং বচঃ ॥১৩॥
ঔর্ব্ব ! দৃষ্টঃ প্রভাবস্তে তপসোগ্রস্য পুত্রক ! । প্রসাদং কুরু লোকানাং নিয়চ্ছ ক্রোধমাত্মনঃ ॥১৪॥
নানীশৈর্হি তদা তাত ! ভৃগুভির্ভাবিতাত্মভিঃ । বধো হ্যুপেক্ষিতঃ সর্ব্বৈঃ ক্ষত্রিয়াণাং বিহিংসতাম্ ॥১৫॥
আয়ুষা বিপ্রকৃষ্টেন যদা নঃ খেদ আবিশৎ । তদাস্মাভির্ব্বধস্তাত ! ক্ষত্রিয়ৈরীপ্সিতঃ স্বয়ম্ ॥১৬॥
নিখাতং যচ্চ বৈ বিত্তং ভৃগুভির্ভূবশ্মনি । বৈরায়ৈব তদান্যস্তং ক্ষত্রিয়ান্ কোপয়িষ্ণুভিঃ ॥১৭॥
কিং হি বিত্তেন নঃ কার্য্যং স্বর্গেপ্সূনাং দ্বিজোত্তম ! । যদস্মাকং ধনাধ্যক্ষঃ প্রভূতং ধনমাহরৎ ॥১৮॥
যদা তু মৃত্যুরাদাতুং ন নঃ শক্নোতি সর্ব্বশঃ । তদাস্মাভিরয়ং দৃষ্ট উপায়স্তাত ! সম্মতঃ ॥১৯॥
আত্মহা চ পুমাংস্তাত ! ন লোকাল্লভতে শুভান্ । ততোঽস্মাভিঃ সমীক্ষ্যৈবং নাত্মনাত্মা নিপাতিতঃ ॥২০॥
ন চৈতন্নঃ প্রিয়ং তাত ! যদিদং কর্ত্তুমিচ্ছসি । নিয়চ্ছেদং মনঃ পাপাৎ সর্ব্বলোকপরাভবাৎ ॥২১॥

মথং মথং তৌদুনা লেকতা, হিংচাবা অমদি মী পূমনমকপু অব্বাবা পীবা হৌরবলে ॥ ১২ ॥ ইবুংঙো ! অদুগী তুংদা লোক পূমনমকপু মাংননবা হোৎনরে হায়বসি খংলদুনা মহাক্কী মপা মপুশিংনা পিতৃলোক তগী কুমথরক্কনা হায়খি ॥ ১৩ ॥ ঔর্ব্ব ! ইবুংঙো ! নংনা তৌবিবা অকিবগী মশক ফংলবা তপস্যাগী শক্তি অসি ঐখোয় লোয়না উরে, থংলে, জগৎপু নুংশিবিয়ু, অশাওবা থামজিল্লু ॥ ১৪ ॥ ইবুংঙো ! মতম অদুদা খুকল পাঙ্গল্লবা ভৃগুবংশগী মীশিংনা থাংবা ঙমদদুনা হিংসা তৌরবা ক্ষত্রিযশিংবু হাৎপগী যাথেল অসি থাদোকপা কাওবা ঙমখিদে ॥ ১৫ ॥ ইবুংঙো ! ঐখোয়গী পূনসি য়ামনা শাংলি হায়না খল্দুনা ঐখোয়গী পূক্নিংদা অব্বাবা মুংঙাযতবা লাকখিবা মতম অদুদা ঐখোয় ইশামক্কা ক্ষত্রিযশিংনা খুংলই ওইদুনা ইশা ইশাবু হাৎচখিবনি ॥ ১৬ ॥ অদুগী তুংদা ভৃগুবংশগী মীশিংনা মযুম মযুমদা লন খুম পূম্নমক লৈমুংদ ফুমদুনা থমখিবা অদুদি ক্ষত্রিযশিংবু শাওহল্লে হায়রগা মখোয়গী থমোইদা য়েক্লবা মুংঙায়তবা পোকহনগে হায়বগী দমক্তা তৌখিবনি ॥ ১৭ ॥ মরমদি ঐখোয়দি স্বর্গ পাম্বনি, অদুনা লন-থুম্না ঐখোয়দা কৈদৌনি ? থোইদোকনা হায়করবদা কুবেরমক্তা ঐখোয়দা লন-থুম কয়া মশানা লাক্কনা পীখিবনি ॥১৮॥

ইবুংঙো ! যমনা ঐখোয়বু ফাবা পুংবা ঙমখিদদুনা মতম কুইনা সংসারদা হিংদুনা লৈবক্নি পাম-ত্রদুনা ঐখোয় পুম্নমক য়ান্নদুনা উপায় অসি তাস্নহনা পৃথোকখিবনি ॥ ১৯ ॥ ইবুংঙো ! আত্মঘাত তৌদুনা শিখিবা মীশিংনা স্বর্গ থক ফংবা ঙমদে, অমুম্না থন্দুনা ঐখোয়না ইশা ইশাবু হাৎচখিদবনি ॥ ২০ ॥ * ইবুংঙো ! নংনা তৌগে থল্লিবদো ঐখোয় য়ানিংদে। মরম অদুনা লোক পুমনমক মাংননবা

টিপ্পনী— আত্মঘাত তৌদুনা শিবশিং স্বর্গ ফংদবগী মরমদি— আত্মঘাত হাইবসি শাস্ত্র পুমনমকতা ভ্রূণহত্যাগি মায়ৈম। গর্ভদা লৈবা জীবাবু মরুনা নত্রগা করিশুম্না পোৎ অমা চাওনা হাৎতোকপাবু ভ্রূণহত্যা কৌই। ভ্রূণহত্যা তৌবগী মহৈগা আত্মঘাত তৌবগী মহৈগা চপমান্নে জীবাত্মানা ব্রহ্মবু হায়বনি পরমাত্মাবু উনগে তিন্নগে হায়না হকচাং তোঙান তোঙানবগী থাক্তা কাথৎলক্কনা মীওইবগী হকচাংগী থাক্তা য়োরক্নি। মরম অদুনা তৌগদবা দান ধর্ম যজ্ঞমচিংবা তৌগে হায়দুনা লাকচবা জীববু মপুং ফানা তৌহন্দনা তৌগদবা থবক অদুদা আঘাত হায়বদি অপনথ। য়ৈথায়বা পিনবনি। মশা মথন্তনা অশাওবা হুৎহাইবগী মরীদা জীববু থাক্নিন্দখিবনি।

মা বধীঃ ক্ষত্রিয়াংস্তাত! সপ্ত লোকান্ পুত্রক!। দূষয়ন্তং তপস্তেজঃ ক্রোধমুৎপতিতং জহি ॥২২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

চৈত্ররথে ঔর্ব্বে ঔর্ব্ববারণং নাম দ্বিসপ্তত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(*;:—

তৌবিবা পাপকী থবক অসিদগী নপুক্লিং অত্তবু থামজিল্লু ॥ ২১ ॥ ইবুঙো ॥ নংনা মরোন ভরেৎপু মাংহনগে হোৎনবা অমদি ক্ষত্রিয়শিংবু মুৎহনগে হোৎনবসি তৌরগনু। অশাওবা হায়বা অসিনা তপস্তা শক্তিমকপুস্থ মাংহনবনি, মরম অমনা অশাওবা পোক্লবস্থ থিংহনা থমগদৌবনি ॥ ২২ ॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা চৈত্ররথদা ঔর্ব্বদা ঔর্ব্ববু থিংবা চামগাহুমফুতরানিথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—০:(*):০—

শ্রীমহাভারতম্

(ঔর্ব্বনা অশাওবা থাদোকপা)

(চামা হুমফুতরাহুমদোই শুবা অধ্যায়)

—:(†):—

ঔর্ব্ব উবাচ।

উক্তবানস্মি যাং ক্রোধাৎ প্রতিজ্ঞাং পিতরস্তদা। সর্ব্বলোকবিনাশায় ন সা মে বিতথা ভবেৎ ॥ ১ ॥

বৃথা-রোষ-প্রতিজ্ঞো বৈ নাহং ভবিতুমুৎসহে। অনিস্তীর্ণো হি মাং রোষো দহেদগ্নিরিবারণিম্ ॥২॥

ঔর্ব্বনা হায়খি—পিতৃলোক পুম্নমক। ঐনা অশাওবগী মথা পোন্দুনা লোক পুম্নমক মাংহনগে হায়না ৱাশক লুবা অসিদি, মীনম্বা অমদি অরেম্বদা মাংবা থক ওইররোই ॥১॥ ঐনা ঐগী অশাওবা অমদি অশাওবা অত্তুমগী তৌথিবা ৱাশক অত্তুমদি থক মাংহনজবা ঙমরোই। করিনা হায়রবু ৱাশক অসিদগী ঐনা লাপ্তোকপা ঙমগনি থদি তৈনা হুমতৈজবু চাবথিবা অত্তুগী মতেংওম অশাওবগী

অশাওবা ছুংঙাইহনবদুনা আত্মাঘাত তৌনরিবনি। ঊশিংদা চোংথদুনা নত্রগা থৌরি য়াম্দুনা শিথিবা মীশিংনা লৈথা তাবা মপাকনা হায়বদি মেহর চংথিবা পোক্লবনি। মহাক অদুনা তৌরকপা অমবা করিগী মতৈংবু ঙাক্না হায়দুনা আপা থৌরবা অহাকী পিতৃলোকক চাব কমনা তৈবা তাবা অমদি মহাক অমা পোয়দরজি।

যো হি কারণতঃ ক্রোধং সঞ্জাতং ক্ষন্তুমর্হতি। নাগং স মনুজঃ সম্যক্ ত্রিবর্গং পরিরক্ষিতুম্ ॥৩॥
অশিষ্টানাং নিয়ন্তা হি শিষ্টানাং পরিরক্ষিতা। স্থানে রোষঃ প্রযুক্তঃ স্যান্নৃপৈঃ সর্ব্বজিগীষুভিঃ ॥৪॥
অশ্রৌষমহমূরুস্থো গর্ভশয্যাগতস্তদা। আরাবং মাতৃবর্গস্য ভৃগূণাং ক্ষত্রিয়ৈর্বধে ॥৫॥
সংহারো হি যদা লোকে ভৃগূণাং ক্ষত্রিয়াধমৈঃ। আগর্ভোচ্ছেদনাৎ ক্রান্তস্তদা মাং মন্যুরাবিশৎ ॥৬॥
প্রকীর্ণকেশাঃ কিল মে মাতরঃ পিতরস্তথা। ভয়াৎ সর্ব্বেষু লোকেষু নাধিজগ্মুঃ পরায়ণম্ ॥৭॥
তান্ ভৃগূণাং যদা দারান্ কশ্চিন্নাভ্যুপপদ্যতে। মাতা দধারেয়মূরুণৈকেন মাং শুভা ॥৮॥
প্রতিষেদ্ধা হি পাপস্য যদা লোকেষু বিদ্যতে। তদা লোকেষু সর্ব্বেষু পাপকৃন্নোপপদ্যতে ॥৯॥
যদা তু প্রতিষেদ্ধারং পাপো ন লভতে ক্বচিৎ। তিষ্ঠন্তি বহবো লোকাস্তদা পাপেষু কর্ম্মসু ॥১০॥
জানন্নপি চ যঃ পাপং শক্তিমান ন নিয়চ্ছতি। ঈশঃ সন্ সোঽপি তেনৈব কর্ম্মণা সম্প্রযুজ্যতে ॥১১॥
রাজভিশ্চেশ্বরৈশ্চৈব যদি বৈ পিতরো মম। শক্তৈর্ন শকিতাস্ত্রাতুমিষ্টং মত্বেহ জীবিতম্ ॥১২

মৈনা ঐবু চাকখিবা তারে ॥২॥ অতুগুম্বা মী মহাক অহুনা শাওফম থোকপা অশাওবা অতুবু খামজিন্দুনা থম্নবদি মহাক অদো ধর্ম্ম অর্থ কাম অহুম অসিবু ঙাক্তুনা থম্বা ঙমদে ॥৩॥ পৃথিবী পুম্নমকপু ঙমনিংবা নিংথৌশিংনা ফাওবা মীশিংবু নমহৎপা অফবা মীশিংবু ঙাকপা ঙমহনবা অশাওবা হায়বা অতুবু মফম মতম চানা শিজিন্নৈ ॥৪॥ ক্ষত্রিয়শিংনা ভৃগুবংশগী মীশিংবু হাৎপা মতম অহদা ঐনা ইমাগী কৈগন্দা গর্ভদা লৈহুনা ইমা ময়ামনা কপনা লাওনবগী খোঞ্জেল ময়াম অতু তাখি ॥৫॥ ফত্রবা তোল্লবা ক্ষত্রিয়শিংনা ভৃগুবংশগী মীশিংবু হাৎলকপা মতম অদু ফাওবদা ঐনা অশাওববু খাংহুনা লৈবনি, গর্ভদা লৈরবা জীব ফাউবা মাংহল্লরুবা অতুদা ঐনা শাওবনি ॥৬॥ ঐগী ইমা ময়াম অমদি ইপা ময়ামনা মশম-মনা ইফা ফাহুনা কিহুনা কোয়চেল চেল্লকপা মতম অতুদা জগৎ অসিগী মনুংদা মখোয়বু কনবিনবা কনাসু লৈখিদে ॥৭॥ কনাগুম্বা অমতা ভৃগুশাগে ইমাশিংবু কনবি-খিত্রবা মতম অদুদা ঐগী মঙ্গলদা থনবিরিবী ইমা অসিনা ঐহাকপু মহাকী কৈগন মনুংদা গর্ভ পুবিখি ॥৮॥ জগত্তা পাপকী কনাগুম্বা মায়োক য়াবা ঙমম্বা ককপা ঙম্বা মীশক অমা লৈরবদি জগত্তা লৈরিবা মী পুম্নমক কনাসু পাপ তৌবা মী ওইরোই ॥৯॥ অদুগা পাপ তৌরিবা পাপী অদুগীসু মহাকপু থিংবা ঙম্বা কনাসু লৈত্রবদি মীপুম্নমক পাপকী থবক্তা পুক্নিং চংনৈ ॥১০॥ অদুগা মশাগী হকচাংগী পাঙ্গল নত্রগা ত্তপস্যাগী পাঙ্গল লৈবা মী মহাক অদুনা থংন-থংনা মী অমবু পাপকী থবক্তগী থিংত্রবদি মশামকসু পাপ অদু পুবা য়াই ॥১১॥

নিংথৌশিংনা অমদি তপস্বীশিংনা ঙমলবা কাউবদা মখোয়গী মপুনসিবু থুরাইদগী হুংশিবনি হায়-না পাম্মুহনা মপা মপুবু কনত্রবা মতম অহুদা তপস্যাগী শক্তি ফংলবা অমদি শাওরবা ঐনা মী

অত এবাগহং ক্রুদ্ধো লোকানামীশ্বরো হ্যহম্। ভবতাঞ্চ বচো নালমহং সমতিবর্ত্তিতুম্ ॥১৩॥
মমাপি চেন্তবেদেবমীশ্বরস্ত সতো মহৎ। উপেক্ষমাণস্ত পুনর্লোকানাং কিল্বিষাত্ত্রম্ ॥১৪॥
যশ্চায়ং মন্যুজো মেঽগ্নির্লোকানাদাতুমিচ্ছতি। দহেদেব চ মামেব নিগৃহীতঃ স্বতেজসা ॥১৫॥
ভবতাঞ্চ বিজানামি সর্ব্বলোকহিতেপ্সুতাম্। তস্মাদ্বিধধ্বং যচ্ছ্রেয়ো লোকানাং মম চেশ্বরাঃ ॥১৬॥

পিতরো উচুঃ।

য এষ মন্যুজস্তেঽগ্নির্লোকানাদাতুমিচ্ছতি। অপ্সু তং মুঞ্চ ভদ্রন্তে লোকা হ্যপ্সু প্রতিষ্ঠিতাঃ ॥১৭॥
আপোময়া সর্বরসাঃ সর্ব্বমাপোময়ং জগৎ। তস্মাদপ্সু বিমুঞ্চেমং ক্রোধাগ্নিং দ্বিজসত্তম! ॥১৮॥
অয়ং তিষ্ঠতু তে বিপ্র! যদীচ্ছসি মহোদধৌ। মন্যুজোঽগ্নির্দহন্নাপো লোকা হ্যাপোময়াঃ স্মৃতাঃ ॥১৯॥
এবং প্রতিজ্ঞা সত্যেয়ং তবানঘ। ভবিষ্যতি। ন চৈবং সামরা লোকা গমিষ্যন্তি পরাভবম্ ॥২০॥

বশিষ্ঠ উবাচ।

ততস্তং ক্রোধজং তাত! ঔর্ব্বোঽগ্নিং বরুণালয়ে। উৎসসর্জ্জ স চৈবাপ উপযুঙক্তে মহোদধৌ ॥২১॥
মহদ্ধয়শিরো ভূত্বা যত্তদ্বেদবিদো বিদুঃ। তমগ্নিমুদ্গিরদ্বক্ত্রাৎ পিবত্যাপো মহোদধৌ ॥২২॥

অযাম্বা অমদি নখোয পূমনমক্ক হাযবা ম্বা অসি টনবা ঙমজরোই ॥ ১২—১৩ ॥ ঐদি তপস্যাগী শক্তি লৈরবা মী অমনি; অবস্থা অসিদা ঐনা যত্রবা লোকশিং অসি মাংননবগী থবক্তা থওইত্রবা অহৗগা মাংননবা তৌকবা পাপ অসিবু কিকরবদি ঐগী অশাওবা মৈ অসিনদি লোক পূমনমকপূ চাকে হায়না খললি, চাকলিবা মৈ অসিবু মাগী নীংবা থুংহন্দুনা হিংহৌত্রবদি মহাকনা ঐবু চাকথেকখিগদবা মরৈরে॥ ১৪—১৫ ॥ অহৗগা ঐ অসি পিতৃলোক নখোয় পূমনমকী অমদি অতে লোক পূমনমককী কান্নবা তৌবা থংবা মীশক অমনি। মরম অহৗনা লাইগী মশক ওইরবা ইপা-ইপূ পূমনমক! জগৎকী অমদি ঐগী মঙ্গল ওইনবা থবক অসে নখোয়না তৌবিরম্মু॥ ১৬ ॥

পিতৃলোকশিংনা হায়রকই— ঔর্ব! নংগী মঙ্গল ওইসনু, জগৎ পূমনমকপূ মাংহনগে হায়না হৌরক্লিবা অশাওবগী মৈ অদো ঈশিংদা থাদখরো। করি মরমনা হায়বদা জগৎনা লৈরিবসে ঈশিংদনি ॥১৭॥ রস পূমনমক ঈশিংগী মশকনি অহৗগা জগৎ পূমনমক অসিসু ঈশিংগী মশকনি। মরম অদুনা হে ব্রাহ্মণ অখোইবা! নংগী অশাওবগী মৈ অসে ঈশিংদা লংথখরো॥ ১৮॥ হে ব্রাহ্মণ অখোইবা! নংনা করিগুম্বা অপাম্বা লৈরবসু নংগী অশাওবগী মৈ অসে সমুদ্রগী ঈশিংবু চাকথেক্তুনা সমুদ্রগী ঈশুংদা অতুম মরৈরসনু। মরমদি লোক পূমনমকসে ঈশিংগী মশাক্তি ॥১৯॥ হে পাপ পক্তবা ঔর্ব! অসুম তৌরবদা নংগী ৱাশক অদো অচুম্বা ওইগনি, দেবতাশিংগা লোয়ননা জগৎ পুমমক মাংবসু ওইররোই ॥২০॥ বশিষ্ঠনা হায়খি— ইবুংঙো পরাশর! অদুগী মতুংদা ঔর্বনা মহাকী অশাওবগী মৈ অদুবু মৈমকী মশক ওইনা পূখোরক্তুনা সমুদ্রগী ঈশিং মনুংদা লংথখি; অশাওবগী মৈ অদুনা সমুদ্রদা লৈত্রনা সমুদ্রগী ঈশিংবু থক্তুনা লৈরি॥২১॥ বেদ খংবাশিংনা হায়নৈ— ঔর্বগী অশাওবগী মৈনা "বাড়বা" হায়রবদি শগোলগী মকোক্কী মওং মালবা মৈ অদুগী মচিন্দগী মৈ হেক হেক অখোয়ক্তুনা হৌজিক

ত্বমাত্মবসি জানন্তে ন লোকান্ হন্তুমর্হসি। পরাশর! পরাল্লোকান্ জানন্ জ্ঞানবতাং বর! ॥২৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি চৈত্ররথে ঔর্ব্বে ত্রিসপ্তত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——০:(০):০——

ফাওবা সমুদ্রগী ঈশিং থক্লি হায়বদি চিংশিন্দুনা লৈরি ॥২২॥ মরম অদুনা লৈবগী মনুংদা অথোইবা ওইরবা পরাশর! নংগী মঙ্গল ওইসনু, নংসু জগৎপু খন্নাইদগী অহেনবনি হায়না খন্দুনা জগৎপু মাংহনবা থক য়ারোই ॥২৩॥

মখক্ম অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বাদা চৈত্ররথদা ঔর্ব্বদা চামাগা হুম্ফুতরা হুমদোই শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(ঔর্ব্বনা যজ্ঞ তৌবা বশিষ্ঠনা খামবা)

(চামা হুম্ফুতরামরি শুবা অধ্যায়)

——:(০):——

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

এবমুক্তঃ স বিপ্রর্ষির্বশিষ্ঠেন মহাত্মনা। ন্যযচ্ছদাত্মনঃ ক্রোধং সর্বলোকপরাভবাৎ ॥১॥

ঈজে চ স মহাতেজাঃ সর্ববেদবিদাং বরঃ। ঋষী রাক্ষসসত্রেণ শাক্ত্যেয়োঽথ পরাশরঃ ॥২॥

ততো বৃদ্ধাংশ্চ বালাংশ্চ রাক্ষসান্ স মহামুনিঃ। দদাহ বিততে যজ্ঞে শক্তের্বধমনুস্মরন্ ॥৩॥

নহি তং বারয়ামাস বশিষ্ঠো রক্ষসাং বধাৎ। দ্বিতীয়ামস্য মা ভাঙ্ক্ষং প্রতিজ্ঞামিতি নিশ্চয়াৎ ॥৪॥

ত্রয়াণাং পাবকানাং স সত্রে তস্মিন্ মহামুনিঃ। আসীৎ পুরস্তাদ্দীপ্তানাং চতুর্থ ইব পাবকঃ ॥৫॥

গন্ধর্ব্বনা হায়খি—পুকচেল চাউরবা বশিষ্ঠনা অসুম হায়রবা মতমদা পরাশরনা গল্লৎ পুম্নমকপু মাংহনগে হায়রনা থনবা বিষয় অসিদগী মশাগী অশাওববু থিংদুনা থমখি ॥১॥ অদুগী তুংদা থোই-শ্লোকনা তেজ লৈরবা বেদ হৈবা থংবা পুম্নমক্কী মনুংদা অথোইবা ওইরবা শক্ত্রিগী মচানিপা পরাশর মুনিনা "রাক্ষসত্র" কৌবা যজ্ঞ অমা লিংখৎখি ॥২॥ অদুদা মশা হাৎখিবগী সুক্কাইতবা পুম্নমক নিংশিংদুনা অহল-নহা থাক্কনা থিংদ্রাবা পুম্নমক্ক হোম তৌখি ॥৩॥ অদুগা পরাশরগী অনিশুবা ব্রাক অসিমদি থুগাইররোই হায়না খন্দুনা বশিষ্ঠনসু মহাকপু যজ্ঞ অসিদগী থামখিদ্রে ॥৪॥ মরম

তেন যজ্ঞেন শুভ্রেণ হূয়মানেন শক্তিতঃ । তদ্ধি দীপিতমাকাশং সূর্য্যেণেব ঘনাত্যয়ে ॥৬॥
তং বশিষ্ঠাদয়ঃ সর্ব্বে মুনয়স্তত্র মেনিরে । তেজসা দীপ্যমানং তং দ্বিতীয়মিব ভাস্করম্ ॥৭॥
ততঃ পরমদুষ্প্রাপ্যমন্যৈ ঋষিরুদারধীঃ । সমাপিপয়িষুঃ সত্রং তমত্রিঃ সমুপাগমৎ ॥৮॥
তথা পুলস্ত্যঃ পুলহঃ ক্রতুশ্চৈব মহাক্রতুঃ । তত্রাজগ্মুরমিত্রঘ্ন ! রক্ষসাং জীবিতেপ্সয়া ॥৯॥
পুলস্ত্যস্তু বধাত্তেষাং রক্ষসাং ভরতর্ষভ ! । উবাচেদং বচঃ পার্থ ! পরাশরমরিন্দমম্ ॥১০॥
কচ্চিত্তাতাপবিঘ্নং তে কচ্চিন্নন্দসি পুত্রক ! । অজানতামদোষাণাং সর্ব্বেষাং রক্ষসাং বধাৎ ॥১১॥
প্রজোচ্ছেদমিমং মহ্যং নহি কর্ত্তুং ত্বমর্হসি । নৈষ তাত ! দ্বিজাতীনাং ধর্ম্মো দৃষ্টস্তপস্বিনাম্ ॥১২॥
শম এব পরো ধর্ম্মস্তমাচর পরাশর ! । অধর্ম্মিষ্ঠং বরিষ্ঠঃ সন্ কুরুষে ত্বং পরাশর ! ॥১৩॥
শক্তিঞ্চাপি হি ধর্ম্মজ্ঞং নাতিক্রান্তুমিহার্হসি । প্রজায়াশ্চ মমোচ্ছেদং ন চৈবং কর্ত্তুমর্হসি ॥১৪॥

অতুনা অসিগুম্বা পরাশরগী যজ্ঞ অসিগী মাংদা 'যজ্ঞগী মৈহুম অত্থগী মথক্তা * মরিত্তবা মৈ অমগুম্না পরাশরগী যজ্ঞগী মৈনা নিংথিজনা ঙালম্মি ॥৫॥ নোংজু পাম্থানা লোইখ্রবদা সুমিৎলো ইনৌ নৌনা থেংবক্তুনা ঙানবগুম মপাঙ্গল মথৌনা মতুংইন্না ফর ফববা পোশক কয়ানা হোম তৌরক্লবা অহুদা যজ্ঞ অতুমক্লস্ত নোংমদোন অপূম্বা নিংথিনা ঙান্থোইখি ॥৬॥ বশিষ্ঠনচিংবা মুনি পুম্নমকনা যজ্ঞদা ফমনো লৈবিবা পাবশরবু অনিশুবা সুমিৎকী মতৌগুম্না মশাগী তেজনা ইঙাল ঙান্না লৈবগুম থনখি অনদি উখি ॥৭॥ অতুগী তুংদা অতোপ্পা অমনা তৌমঙব্রবা হিংচাববু হোম তৌবা যজ্ঞ অদুবু লোইশিনহনগে হায়না খন্দুনা পুকচেল চাউরবা অত্রিনিমুনা পরাশরগী মকম্নদা লাকখি ॥৮॥

অর্জ্জুন! পুলস্ত্য, পুলহ, ক্রতু অদুগা মহাক্রতু মখোয় অসিস্থ হিংচাবশিংগী মথল্লাই কনগে হাযতুনা মফম অতুদা লাকপা য়াওখি ॥৯॥ অদুদা, লাকলিবশিং অসিগী মধুংদা পুলস্ত্যনা, হিংচাবশিংবু হাৎথরিবা হাংলিবা অদুবু উবদা য়েক্লবা হাৎলিবা পরাশরদা অসুম হায়খি ॥১০॥ ইবুংঙো! নংনা তৌরিবা থবক অসি অপনবা লৈতনা পাংথোকখ্রেদনকো? অদুগা নপা হাৎখিবা থাংগৈশেংবা মরম ফাওবা খংজদ্রবা, মরান পৈত্রবা হিংচাবশিং অদুবু হাৎলগা নংসু থোইনা নুংঙাইবা ফংলেদনকো? ॥১১॥ ইবুংঙো! নং ঐগী বংশ অসি তুম্না মাংহনবা য়ারোই। মরমদি, তপস্বী ব্রাহ্মণশিংগী আসঙবা ধর্ম্ম অসি থক উখিদ্রি ॥১২॥ পরাশর! শাওদবা তপথবতনা ব্রহ্মাণগী অথোইবা ধর্ম্মনি; অদুগুম্বা ধর্ম্ম অহ নংসু চংলু। অদুবু নহাক্তি অতুক অথোইবা ব্রাহ্মণ ওইরগা অসিগুম্বা অধর্ম্ম অসি চংলি ॥১৩॥ নংবু পোকপা নপা শক্তিদি ধর্ম্ম খংবা ওইরম্মি; মরম অতুনা নহাক্না অসিগুম্বা পাপকী থবক অসি তৌদুনা নংবু পোকপা পিতাদুনা চংলম্বা লম্বী অদু থাদোক্কনা থক

(*) টীকা:—যজ্ঞগী মৈ অহুম হায়বদি "দক্ষিনাগ্নি" হায়বা মৈ অমা "গার্হপত্যাগ্নি" কৌবা মৈ অমা "আহবনীয়াগ্নি" কৌবা মৈ অমা। অহুম অসি নত্তবা হায়বদি মৈ অহুম অসিনা [illegible] যজ্ঞ মথগ অহুম অসিগী তোংঙানবা যজ্ঞ অমদি হায়বদি মরিত্তবা যজ্ঞদি মীবু মাংনবা [illegible] অমসুং [illegible] তৌবা যজ্ঞনা য়াদ্রি। অসিগুম্বা যজ্ঞ ওইবনা পরাশরগী যজ্ঞ অসি মরিত্তবা যজ্ঞ কৌদ্রিবনি।

শাপাদ্ধি শক্তের্বাশিষ্ঠ ! তদা তদুপপাদিতম্। আত্মজেন স দোষেণ শক্তির্নীত ইতো দিবম্ ॥১৫॥
নহি তং রাক্ষসঃ কশ্চিচ্ছক্তো ভক্ষয়িতুং মুনে ! । আত্মনৈবাত্মনস্তেন সৃষ্টো মৃত্যুস্তদাভবৎ ॥১৬॥
নিমিত্তভূতস্তত্রাসীদ্বিশ্বামিত্রঃ পরাশর ! । রাজা কল্মাসপাদশ্চ দিবমারুহ্য মোদতে ॥১৭॥
যে চ শক্তেরবরাঃ পুত্রা বশিষ্ঠস্য মহামুনেঃ। তে চ সর্ব্বে মুদা যুক্তা মোদন্তে সহিতাঃ সুরৈঃ ॥১৮॥
সর্ব্বমেতদ্বশিষ্ঠস্য বিদিতং বৈ মহামুনে ! । রক্ষসাঞ্চ সমুচ্ছেদ এব তাত ! তপস্বিনাম্ ॥১৯॥
নিমিত্তভূতস্ত্বঞ্চাত্র ক্রতৌ বাশিষ্ঠনন্দন ! । তৎ সত্রং মুঞ্চ ভদ্রং তে সমাপ্তমিদমস্তু তে ॥২০॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

এবমুক্তঃ পুলস্ত্যেন বশিষ্ঠেন চ ধীমতা। তদা সমাপয়ামাস সত্রং শাক্ত্যো মহামুনিঃ ॥২১॥
সর্ব্বরাক্ষসসত্রায় সম্ভৃতং পাবকং তদা। উত্তরে হিমবৎপার্শ্বে উৎসসর্জ্জ মহাবনে ॥২২॥
স তত্রাদ্যাপি রক্ষাংসি বৃক্ষানশ্মন এব চ। ভক্ষয়ন্ দৃশ্যতে বহ্নিঃ সদা পর্ব্বণি পর্ব্বণি ॥২৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি
চৈত্ররথে চতুঃসপ্তত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—.(0)—

চৎকনু, নহাক ঐগী বংশ অসি মুৎহনগনু ॥১৪॥ পরাশর ! নংবু পোকপা শক্ত্রি হায়বদো শাপতনা অদ্বাবা থৌদোক অদু ফংখিবনি, মরম অদুনা শক্ত্রিনা মশাগী দোষনা স্বর্গ ফাওবা য়ৌখিবনি ॥১৫॥ শক্ত্রিনা মশামকনা মশাগী মৃতুবু থোকহনজখিবনি, অহ নত্রবদি কনাগুম্বা হিংচাবা অমতনা মহাকপু হাত্তুনা চাবা ঙমলমলোইদবনি ॥১৬॥ মরম অদুনা পরাশর ! থৌদোক অসিগী অথোইবা মরমদি বিশ্বামিত্রগা কল্মাষপাদগনা ওইখিবনি; হৌজিক্তি শক্ত্রি অদো স্বর্গদা য়ামনা নুংঙাইনা লৈরি ॥১৭॥

অহগা শক্ত্রিগী মনাওশিং অদুসু বশিষ্ঠগী মচাশিংমক্তনি, মখোয় পুম্বসু য়ামনা নুংঙাইনা দেবতাশিংগা লোয়ননা স্বর্গদা কোইচৎচত্তুনা লৈরি ॥১৮॥ ইবুংঙো ! থৌদোক পুম্নমকসি বশিষ্ঠসু লোইনা খংলিবনি। অহগা হৌজিক অমুক নহাকথক অসিদা হিংচাবশিং অমসুং তপস্বীশিংগী অদ্বাবা অকিবগী মশক ওইরবা মরু ফংনা মুৎপা হায়বদু ওইরে ॥১৯॥ হে শক্ত্রিগী মচা ! অসি গুম্বা যজ্ঞ অসিগী মরুসু নহাকনা ওইরি। মরম অদুনা নহাক্কী যজ্ঞ অসি অমুক তোথরগনু, অসিমাইদা অসুম্মক লেপলো, নংগী মঙ্গল ওইসনু ॥২০॥ হায়রিলীবা গন্ধর্ব্বনা হায়খি—তাও, অর্জুন ! জ্ঞান লৈরবা পুলস্ত্য অমসুং বশিষ্ঠ অনি চংহনা অসুম হায়রবদা মহর্ষি পরাশরনা যজ্ঞ অহ মতম অতুমক্তদা লোইশিনখি ॥২১॥ মহাকনা "রাক্ষসসত্র" গীদমক্তা হোগৎলুবা মৈ অহ হিমালয়গী অদ্বাং পাংবদা শুক্লবা বন অমদা লংশিনখরে ॥২২॥ ঙসি ফাওবা মফম অদুদা লাইগী থৌদোক নুমিৎ খুদিংদা মৈ অদুনা বন অদুগী হিংচা-রাইতদ্বা, উপাউ অমসুং চাওরবা নুংপাক কয়া চাকখেত্তুনা লৈবা উনরি ॥২৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা চৈত্ররথগী মসুংদা চামগা হুমফুত্তরমরি ।গুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম

(বশিষ্ঠগী মতাং লোয়বগী ৱারী)

(চামা হুম্ফুতরামঙা শুবা অধ্যায়)

—.(০):—

অর্জ্জুন উবাচ।

রাজ্ঞা কল্মাষপাদেন গুরৌ ব্রহ্মবিদাং বরে। কারণং কি পুরস্কৃত্য ভার্য্যা বৈ সন্নিযোজিতা ॥১॥
জানতা বৈ পরং ধর্ম্মং বশিষ্ঠেন মহাত্মনা। অগম্যাগমনং কস্মাৎ কৃতং তেন মহর্ষিণা ॥২॥
অধর্ম্মিষ্ঠং বশিষ্ঠেন কৃতঞ্চাপি পুরা সখে। এতন্মে সংশয়ং সর্ব্বং ছেত্তুমর্হসি পৃচ্ছতঃ ॥৩॥

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

ধনঞ্জয়! নিবোধেদং যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি। বশিষ্ঠং প্রতি দুর্দ্ধর্ষ! তথা মিত্রসহং নৃপম্ ॥৪॥
কথিতং তে ময়া সর্ব্বং যথা শপ্তঃ স পার্থিবঃ। শক্তিণা ভরতশ্রেষ্ঠ! বাশিষ্ঠেন মহাত্মনা ॥৫॥
স তু শাপবশং প্রাপ্ত ক্রোধপর্য্যাকুলেক্ষণঃ। নির্জ্জগাম পুরাদ্রাজা সহদারঃ পরন্তপঃ ॥৬॥
অরণ্যং নির্জ্জনং গত্বা সদারঃ পরিচক্রমে। নানামৃগগণাকীর্ণং নানাসত্ত্বসমাকুলম্ ॥৭॥
নানাগুল্মলতাচ্ছন্নং নানাদ্রুমসমাবৃতম্। অরণ্যং ঘোরসন্নাদং শাপগ্রস্তং পরিভ্রমন্ ॥৮॥
স কদাচিৎ ক্ষুধাবিষ্টো মৃগয়ন্ ভক্ষ্যমাত্মন.। দদর্শ সুপরিক্লিষ্ট কস্মিংশ্চিন্নির্জ্জনে বনে ॥৯॥
ব্রাহ্মণীং ব্রাহ্মণঞ্চৈব মৈথুনায়োপসঙ্গতৌ। তৌ তং বীক্ষ্য সুবিত্রস্তাবকৃতার্থৌ প্রধাবিতৌ ॥১০॥

অর্জ্জুননা হায়খি— মরূপ! গন্ধর্ব্ব! গুরুসু ওইরবা অদুগা বেদ খংবগী মপুংদা অথোইবা বশিষ্ঠগী মফমদা কল্মাষপাদ নিংথৌনা করিগী দমক্তা মহাক্কী মুপীবু থাহনা উনহনখিব্রনো? ॥১॥ অদুগা মহাত্মা ওইরবা বশিষ্ঠনসু করিগী দমক্তা ধর্ম্মগী তত্ত্ব পুম্নমক খংন খংনা অসিগুম্বা উনবা য়াদবা মীশক্তা উনকরিবা? ॥২॥ অহুগা করিগীদমক্তা বশিষ্ঠনা অধর্ম্মগী থবক অসি তৌখিব্রনো? ঐনা খংনিংঙ্গিবা পুম্নমকসি খংহনহনা চিংনবা অসি কোকহল্লু॥ ॥ গন্ধর্ব্বনা হায়খি— কল্লব! অর্জ্জুন! বশিষ্ঠ অমদি কল্মাষপাদ নিংথৌগী মরমদা নংনা হংলিবদো হায়গে তাও ॥৪॥ হে ভরত শাগেগী অথোইবা! মহাত্মা ওইরবা শক্তিনা নিংথৌ কল্মাষপাদদা শাপ তৌখিবা অমসুং করিগী দমক্তা তৌখিবা অদুদি নংঙোন্দ লীখ্রে ॥৫॥ নিংথৌ কল্মাষপাদ অসি শাপ ফংলবা অহদা থোইদোক্না শাওখ্রদুনা মমিৎ-মনা ওন-থদুনা মহাক্কী মহারাণীগা লোয়নননা কোম্নুংদগী থোকখি ॥৬॥ মথল মথা অয়াম্বা শা-উচেক পুম্নমক্না থল্লবা উমং অমদা চৎখিদুনা মহাক্কী মুপীগা লোয়ননা মফম অদুদা কোইচৎ চত্তুনা লৈখি ॥৭॥ শাপ ফংলবা নিংথৌ অসিনা নোংমা, মথল মথা অয়াম্বা উরি ৱাৰিনা থল্লবা, হিংসা তৌবা থৌরবা শাগী খোঞ্জেম্না পুমনিল নীল্লবা বন অদুদা কোইচৎ চৎন চৎনা, অরাম থৌরাংনা চানীংঙাই পোৎশক অম্নম থিরকপদা করিগুম্বা অচীকপা মফম অমদা উনমিম্নগে হায়হনা লৈমিন্নরম্বা ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণী অনিবু উরুরে। অনি অসিনা নিংথৌবু উবদা কিমনখ্রদনা নিংবা থুংহোৎদনা হেক চেল্লী ॥৮—১০॥

তয়োর্বিব্রবতোর্বিপ্রং জগ্রাহ নৃপতির্বলাৎ। দৃষ্ট্বা গৃহীতং ভর্ত্তারমথ ব্রাহ্মণ্যভাষত ॥১১॥
শৃণু রাজন্! মম বচো যত্ত্বাং বক্ষ্যামি সুব্রত!। আদিত্যবংশপ্রভবস্ত্বং হি লোকে পরিশ্রুতঃ ॥১২॥
অপ্রমত্তঃ স্থিতো ধর্ম্মে গুরুশুশ্রূষণে রতঃ। শাপোপহত! দুর্দ্ধর্ষ! ন পাপং কর্ত্তুমর্হসি ॥১৩॥
ঋতুকালে তু সম্প্রাপ্তে ভর্ত্তৃব্যসনকর্ষিতা। অকৃতার্থা হ্যহং ভর্ত্রা প্রসবার্থং সমাগতা।
প্রসীদ নৃপতিশ্রেষ্ঠ! ভর্ত্তায়ং মে বিসৃজ্যতাম ॥১৪॥
এবং বিক্রোশমানায়াস্তস্যাস্তু স নৃশংসবৎ। ভর্ত্তারং ভক্ষয়ামাস ব্যাঘ্রো মৃগমিবেপ্সিতম্ ॥১৫॥
তস্যাঃ ক্রোধাভিভূতায়া যাশ্রূণ্যপতন্ ভুবি। সোঽগ্নিঃ সমভবদ্দীপ্তস্তঞ্চ দেশং ব্যদীপয়ৎ ॥১৬॥
ততঃ সা শোকসন্তপ্তা ভর্ত্তৃব্যসনকর্ষিতা। কল্মাষপাদ রাজর্ষিমশপদ্ব্রাহ্মণী রুষা ॥১৭॥
যস্মান্মমাকৃতার্থায়াস্ত্বয়া ক্ষুদ্র! নৃশংসবৎ। প্রেক্ষন্ত্যা ভক্ষিতো মেঽদ্য প্রিয়ো ভর্ত্তা মহাযশাঃ ॥১৮॥
তস্মাত্ত্বমপি দুর্ব্বুদ্ধে! মচ্ছাপপরিবিক্ষতঃ। পত্নীমৃতাবনুপ্রাপ্য সদ্যস্ত্যক্ষ্যসি জীবিতম্ ॥১৯॥
যস্য চার্ষের্বশিষ্ঠস্য ত্বয়া পুত্রা বিনাশিতাঃ তেন সঙ্গম্য তে ভার্য্যা তনয়ং জনয়িষ্যতি ॥২০॥
স তে বংশকরঃ পুত্রো ভবিষ্যতি নৃপাধম!। এবং শপ্ত্বা তু রাজানং সা তমাঙ্গিরসী শুভা ॥২১॥
তস্যৈব সন্নিধৌ দীপ্তং প্রবিবেশ হুতাশনম। বশিষ্ঠশ্চ মহাভাগ সর্ব্বমেতদবৈক্ষত ॥২২॥

মখোয় অনিনা হেক চেল্লকপা অতুদা নিংথৌ অসিনা ব্রাহ্মণ অতুবু তান্নহনা ফারে ব্রাহ্মণ অতু ফাখিবা উবদা ব্রাহ্মণী অতুনা হায়বকই—নিংথৌ! ঐ হায়বা অমতা হায়জগে তাখিয়ু। মহারাজদি অচৌবা সূর্য্য বংশদা পোকপা ফাওরবা নিংথৌ অমনি ॥১১—১২॥ চনীংতানা ধর্ম্মগী থবক্ত তৌদুনা অমসুং গুরুগী সেবাদা পূক্নিং চংদুনা লৈবিবি। অতুনা শাপ ফংলবা হে কল্লবা নিংথৌ! অমুক হন্না পাপ তৌবিরণসু ঋতু মতম যৌবকপা অসিদা মুমদদি ইপুরোইবগী মশাদ লৈবা দোষনা মাগা ঐগা নিংবা থুনা উনবা ফদে, অতুনা ইচা ফংননবগী দমক্তা মহাক্কা লেপ্পননা নিংবা থুংনা উনগে লাকপনি। অতুনা হে নিংথৌ অথোইবা! মুংশিবিয়ু, ইপুরোইবা অসিবু থাদোকপিয়ু ॥১৩—১৪॥ ব্রাহ্মণী অতুনা অসুমতৌনা কপ্পুনা হায়জবফাওবদা কৈনা শক্তিবু লাক্নুনা চাবা অতুগুম্না মুংশি হৈত্রবা নিংথৌ অতুনা ব্রাহ্মণ অতুবু চাথোকখ্রে ॥১৫॥ মতম অতুদা ব্রাহ্মণী অতুনা শাওমনখ্রদুনা মমিত্তুগী মপী শিন্থুরনা শিন্থরক্লবা পী মরিক অম মমনা মৈরিক অমমম ওইখিদুনা লৈপাক অদু তুমনা চাকথেক্লগে হায়বগী মতৌগুমনা তৌখি ॥১৬॥ অতুগী তুংদা মপুরোইবা শিখিবা অতুদা ঋারবী অমদি থোইদোক্লা মুংডাইত্রবী ব্রাহ্মণী অতুনা শাওদুনা কল্মাষপাদদা শাপ তৌখি ॥১৭॥ পুকচেল পিক্লবা ফত্রবা নিংথৌ! ঙসি ফাওবা ঐ ইচা ফংদ্রিবীনি, অসিগুম্বা অবস্থাদা ঐগী মাংমতদা তথখিরবা মুংশিহৈত্রবা অমগুমনা নংনা ঐগী মুংশিজরবা ইপুরোইববু চাথোকখ্রবা। নহাকসু ঐগী শাপনা অক-ফত্তা মাখল পুমনমক মাংখিদুনা ঋতুগী মতমদা নংগী মুপীগ্না হেক উনবদা নথবাই থাবা ওইয়ু ॥১৮—১৯॥ অদুগী তুংদা মহাক্কী মতা পুমনমকপু লোইনা নংনা চাথোকখ্রবা বশিষ্ঠ অতুমক্তা উনরগা নংগী মুপীসু নচা পোক্কনি ॥২০॥ নচা অদুমক্তনা নহাক্কী শাগেগী তংবা মরি অমা ওইদনা লৈহৌগনি। আঙ্গিরাগী গোত্রদা পোক্লবী ব্রাহ্মণী অসিনা মতৌ অদুমনা নিংথৌদা শাপ তৌরমলগা চাকলবা মৈসুংদা চোংশিন্দুনা মথবাই থাখি। পুকচেল চাউরবা বশিষ্ঠনা বিষয় অসি থানজনা

জ্ঞানযোগেন মহতা তপসা স পরন্তপ।। মুক্তশাপশ্চ রাজর্ষিঃ কালেন মহতা ততঃ ।।২৩।।
ঋতুকালেঽভিপতিতো মদয়ন্ত্যা নিবারিতঃ। নহি সস্মার স নৃপস্তং শাপং কামমোহিতঃ ।।২৪।।
দেব্যাঃ সোঽথ বচঃ শ্রুত্বা সম্ভ্রান্তো নৃপসত্তমঃ। তং শাপমনুসংস্মৃত্য পর্য্যতপ্যদ্ভৃশং তদা ।।২৫।।
এতস্মাৎ কারণাদ্রাজা বশিষ্ঠং সমযোজয়ৎ। স্বদারেষু নরশ্রেষ্ঠ! শাপদোষসমন্বিতঃ ।।২৬।।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি চৈত্ররথে
বাশিষ্ঠং সমাপ্তং নাম পঞ্চসপ্তত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।।০।।

—:(০):—

লোইনা উবা থংবা ওমলক্ষ্মী ।।২২।। মতমকুইরবা তুংদা জ্ঞান, যোগ-সাধন, কল্লবা তপস্যা অমদি বশিষ্ঠগী কৃপাদগী রাজর্ষি ওইরবা কল্মাষপাদ নিংথৌনা শক্ত্রিগী শাপতগী কোকখি ।।২৩।। অদুগী মতুংদা ঋতুগী মতম লাকপদা নিংথৌ অসিনা মহরাণীগা উনগে হায়না তৌরকপদা মহারাণীনা নিংথৌবু থামখি, অদুম ওইনমক অপাম মুংশিবনা শুক্কাৎখ্রবা নিংথৌনা ব্রাহ্মণীনা তৌরম্বা শাপ অদু নিংশিংঙদরে ।।২৪।। অদুগী তুংনা মহারাণী অদুনা লীরকপা মমাংঙৈগী ৱারি অদু তাবদা নিংথৌ অদু ইখং খঙথি অমসুং শাপ অদু নিংশিংঙবদা করি সুংদগী থবক অদু তৌথ্রবনো হায়না থোইনা নিংঙম-খিরে ।।২৫।। অর্জ্জুন! মরম অসিমক্তনা ব্রাহ্মণীগী শাপ ফংলবা নিংথৌ অসিনা মশামক্কী মুপীবু বশিষ্ঠগা উননবা মহাক্কী মুপীদা থৌদাখিবনি ।।২৬।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা চৈত্ররথগী মমুংদা বশিষ্ঠগী মতাং কৌবা চামগা হুমফুত্তরামঙা শুবা অধ্যায় লোইরে ।।০।।

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্।

("ধৌম্যাচার্য্যবু-পুরোহিত হাপ্পা)

(চামা হুমফুত্তরাতরুক শুবা অধ্যায়)

——:(০):——

অর্জ্জুন উবাচ।

অস্মাকমনুরূপো বৈ যঃ স্যাদগন্ধর্ব্ব! বেদবিৎ। পুরোহিতস্তমাচক্ষ, সর্ব্বং হি বিদিতং তব ।। ১ ।।

গন্ধর্ব্ব উবাচ।

যবীয়ান্ দেবলস্যৈষ বনে ভ্রাতা তপস্যতি। ধৌম্য উৎকোচকে তীর্থে তং বৃণুধ্বং যদীচ্ছথ ।।২।।

অর্জ্জুনা হায়খি—গন্ধর্বগী নিংথৌ! ঐখোয়গী কুলপুরোহিত ওইগদৌরিবা অমদি ওইবদা মতিক চায়বা অদু কনানো অমসুং মহাক্কী মরমদা লোইনা হাররিয়ু। মরমদি নহাকনা বিষয় পুম্নমক উৎথংলি ।।১।। গন্ধর্বনা হায়—অর্জ্জুন! দেবলগী মনাও অতোপ্পা ধৌম্য হায়বহ হৌজিক উৎকোচক

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তেতোহর্জ্জুনোহস্ত্রমাগ্নেয়ং প্রদদৌ তদযথাবিধি। গন্ধর্ব্বায় তদা প্রীতো বচনঞ্চেদমব্রবীৎ ॥৩॥
ত্বয্যেব তাবত্তিষ্ঠন্তু হয়া গন্ধর্ব্বসত্তম।। কার্য্যকালে গ্রহীষ্যামঃ স্বস্তি তেহস্ত্বিতি চাব্রবীৎ ॥৪॥
তেহন্যোন্যমভিসম্পূজ্য গন্ধর্ব্বঃ পাণ্ডবাশ্চ হ। রম্যাদ্ভাগীরথীরাদযথাকামং প্রতস্থিরে ॥৫॥
তত উৎকোচকং তীর্থং গত্বা ধৌম্যাশ্রমন্তু তে। তং বব্রুঃ পাণ্ডবা ধৌম্যং পৌরোহিত্যায় ভারত ! ॥৬॥
তান্ ধৌম্যঃ প্রতিজগ্রাহ সর্ব্ববেদবিদাং বরঃ। বন্যেন ফলমুলেন পৌরোহিত্যেন চৈব হ ॥৭॥
তে সমাশংসিরে লব্ধাং শ্রিয়ং রাজ্যঞ্চ পাণ্ডবাঃ। ব্রাহ্মণং তং পুরস্কৃত্য পাঞ্চালীঞ্চ স্বয়ংবরে ॥৮॥
পুরোহিতেন তেনাথ গুরুণা সঙ্গতাস্তদা। নাথবন্তমিবাত্মানং মেনিরে ভরতর্যভাঃ ॥৯॥
স হি বেদার্থতত্ত্বজ্ঞস্তেষাং গুরুরুদারধীঃ। তেন ধর্ম্মবিদা পার্থা যাজ্যা ধর্ম্মবিদঃ কৃতাঃ ॥১০॥
বীরাংস্তু স হি তান্ মেনে প্রাপ্তবাজ্যান্ স্বধর্ম্মতঃ। বুদ্ধি-বীর্য্য-বলোৎসাহৈর্য্যুক্তান্ দেবানিব দ্বিজঃ ॥১১॥
কৃতস্বস্ত্যয়নাস্তেন ততস্তে মনুজাধিপাঃ। মেনিরে সহিতা গন্তুং পাঞ্চালাস্তং স্বয়ংবরম্ ॥১২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামদির্ব্বপণি চৈত্ররথে ধৌম্যপুরোহিতকরণং নাম ষট্সপ্তত্যধিকশততমোহধ্যায়ঃ ॥০॥

—•(•):—

কোবা তীর্থদা তপোবন্ অমদা তপস্যা তৌদুনা লৈবনি ; নখোয়না পাম্লবদি মহাক্কী মযম তান্না চৎলগা মহাকপু পুরোহিত হাপলু ।।২।। বৈশম্পাযননা হায়খি—অসিগী তুংদা, অর্জ্জুননা গন্ধর্বদা বিধি কাযদনা অগ্নিঅস্ত্র দান তৌখি , অমসুং মথৱাই হরাওনা ৱা অসি হায়রকই ॥৩॥ "হে গন্ধর্ব নিংথৌ ! ঐঙোন্দা পীরিবা সগোলশিং অসে, নঙোন্দা অস্তুম্যক লৈখিসনু , মতম চানা লৌরনি, নহাক্কী মঙ্গল ওইসনু" অসুম হায়নসু অর্জ্জুননা গন্ধর্ব্বদা হায়খি ॥৪॥ অদুগী তুংদা, গন্ধর্ব্ব অমগা পাণ্ডবশিংগা তরাম-তরামনা বিদায় তৌনরগা নীংথিজরবা গঙ্গাগী মপাল-মপান্দা পাণ্ডবশিং অহ চৎখি ॥৫॥ অদুগী তুংদা পাণ্ডবশিংনা উৎকোচক কোবা তীর্থ তান্না চৎথিদুনা ধৌম্যাচার্য্যদা পুরোহিত ওইবিয়ু হায়জরই ॥৬॥ বেদ খংবা হৈবশিংগী মনুংদা অথোইবা ধৌম্যনসু উহৈ ৱাহৈতনা মখোয়বু অতিথিগুম তরাম তরামনা ওকখি, অমগা মখোয়গী পুরোহিত ওইগনি হায়না য়াখি ॥৭॥ পাণ্ডবশিংনা ব্রাহ্মণ অমবু পুরোহিত ওইনা ফংজবদুদা, লৈপাক, নিংথৌগী সম্পত্তি অমসুং লৈপাক্কী স্বায়ম্বরদা দ্রৌপদীবু শোয়দনা ফংলগনি হায়না থনখি ।৮॥ পাণ্ডবশিংনা পাওতাক পীনহৈববা পুরোহিত ধৌম্যগা লোয়ননা তিন্নদুনা মখোয় মশা মশাবু অহল-লমন লৈরবা মীশকনি হায়না থনখরে ॥৯॥ বেদ খংলবা পুকচেল চাওরবা, ধৌম্যনা পাণ্ডবশিংগী পুরোহিত ওইরদুনা মখোয়বু মথং মথং ধর্ম্ম খংবা মীশক অয়মম ওইনবা হোৎনবা হৌখি ॥১০॥ অদুগা লাইগী মতৌগুম্না হকচাংগী অমসুং পুক্নিংগী পাঙ্গল কল্লবা মথৌনা মরীল লৈরবা অদুগা থোইনা কল্লবা পাণ্ডবশিংনা ধর্ম্মগী মতুংইন্না মরৈপাক ফংদুনা পায়রেদনা হায়না ধৌম্যচার্য্যনসু খল্দুনা লৈখি ॥১১॥ অদুগী তুংদা পাণ্ডবশিংনা মঙ্গলগী যজ্ঞ-দাননচিংবা অনুষ্ঠান তৌদুনা পুরোহিত ধৌম্যগা দ্রৌপদী স্বয়ম্বরদা চৎকে হায়না থনখে ॥১২॥

মতাং অজিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেখা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা চৈত্ররথগী মনুংদা "ধৌম্যাচার্য্য পুরোহিত করণ" কৌবা চামগা হুমফুতরা তরুক শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—(•)—

শ্রীমহাভারতম্

(স্বয়ম্বরগী মতাংদা পাণ্ডবশিংনা লাকপগী মতাং)

(চামা হুম্ফুতরাতরেংশুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততস্তে নরশার্দ্দূলা ভ্রাতরঃ পঞ্চ পাণ্ডবাঃ। প্রযযুর্দ্রৌপদীং দ্রষ্টুং তঞ্চ দেশং মহোৎসবম্ ॥১॥

তে প্রয়াতা নরব্যাঘ্রা সহ মাত্রা পরন্তপাঃ। ব্রাহ্মণান্ দদৃশুর্মার্গে গচ্ছতঃ সঙ্গতান্ বহূন্ ॥২॥

ত উচুর্ব্রাহ্মণা রাজন্! পাণ্ডবান্ ব্রহ্মচারিণঃ। ক ভবন্তো গমিষ্যন্তি কুতো বাভ্যাগতা ইহ ॥৩॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

আগতানেকচক্রায়াঃ সোদর্য্যানেকচারিণঃ। ভবন্তো বৈ বিজানন্তু সহ মাত্রা দ্বিজর্ষভাঃ! ॥৪॥

ব্রাহ্মণা উচুঃ।

গচ্ছতাদ্যৈব পাঞ্চালান্ দ্রুপদস্য নিবেশনে। স্বয়ংবরো মহাংস্তত্র ভবিতা সুমহাধনঃ ॥৫॥

একসার্থং প্রয়াতাঃ স্ম বয়ং তত্রৈব গামিনঃ। তত্র হ্যদ্ভুতসঙ্কাশো ভবিতা সুমহোৎসবঃ ॥৬॥

যজ্ঞসেনস্য দুহিতা দ্রুপদস্য মহাত্মনঃ। বেদীমধ্যাৎ সমুৎপন্না পদ্মপত্রনিভেক্ষণা ॥৭॥

দর্শনীয়াঽনবদ্যাঙ্গী সুকুমারী মনস্বিনী। ধৃষ্টদ্যুম্নস্য ভগিনী দ্রোণশত্রোঃ প্রতাপিনঃ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগী তুংদা মীগী মসুংদা অথোইবা পাণ্ডব মচিন মনাও মডানা দ্রৌপদীবু অমদি অচৌবা উৎসবন তিন্নবা পাঞ্চাল দেশবু য়েংগে হায়বগী দমক থোংশানখোরক্রে ॥১॥ নিপাগী মসুংদা কৈগুম্বা কান্নবা পাণ্ডবশিংনা মমা কুন্তীগা লোয়নননা পাঞ্চাল লৈবাকতমনা লম্বীদা লাকপদা ব্রাহ্মণ অতৈ অতৈ ময়াম উনখি ॥২॥ মহারাজ! মতম অদুদা ব্রাহ্মণশিংনা ব্রহ্মচারীগী মিজোল শেংলবা পাণ্ডবশিংবু উবদা হায়রকই— ময়াম পুমনমক কদায়দা চৎপীরিবা? অদুগা কদোমদগী লাকপিরিবনো? ॥৩॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই—গুণ চেন্নবা ব্রাহ্মণ পুমনমক! ঐখোয় ইচিন ইনাও মপা অসি ইমাগা লোয়নননা একচক্র কৌবা নগরদগী লাকপনি ॥৪॥ ব্রাহ্মণশিং অদুনা হায়রকই— ময়াম পুমনমক ঙসিমক পাঞ্চাল দেশ তানা চৎপিয়ু; মখম অদুদা রামনা শেল চংনা চাউরবা স্বয়ম্বর সভা অমা তৌগনি ॥৫॥ ঐখোয়সু পুন্নপা মখম অদুদা চৎলিবনি। মরমদি মখম অদুদা তৌগদৌরিবা স্বয়ম্বর উৎসবতো অঙকপনি ॥৬॥ পূকচেল চাউরবা দ্রুপদ কৌবা নিংথৌগী থবাল মিৎতো তাবী ফজরবী কন্যা দ্রৌপদী হায়বীসি যজ্ঞগী যেদীদগী থোকখিবনি; মহাকী হকচাংগী কয়িগুম্বা মওংদা অয়াংবা লৈরবীনি, পাদ্মমনিংতাই লৈতনা ফজরবী ভগোৎ ভগোৎলী রাজকুমারীনি; অদুগা পূকচেল

যো জাতঃ কবচী খড়্গী সশরঃ সশরাসনঃ সুসমিদ্ধে মহাবাহুঃ পাবকে পাবকোপমঃ ॥৯॥
স্বসা তস্যানবদ্যাঙ্গী দ্রৌপদী তনুমধ্যমা। নীলোৎপলসমো গন্ধো যস্যাঃ ক্রোশাৎ প্রবাতি বৈ ॥১০॥
যজ্ঞসেনস্য চ সুতাং স্বয়ম্বরকৃতক্ষণাম্। গচ্ছামো বৈ বয়ং দ্রষ্টুং তঞ্চ দিব্যং মহোৎসবম্ ॥১১॥
রাজানো রাজপুত্রাশ্চ যজ্বানো ভূরিদক্ষিণাঃ। স্বাধ্যায়বন্তঃ শুচয়ো মহাত্মানো যতব্রতাঃ ॥১২॥
তরুণা দর্শনীয়াশ্চ নানাদেশসমাগতাঃ। মহারথাঃ কৃতাস্ত্রাশ্চ সমুপৈষ্যন্তি ভূমিপাঃ ॥১৩॥
তে তত্র বিবিধান্ দায়ান্ বিজয়ার্থং নরেশ্বরাঃ। প্রদাস্যন্তি ধনং গাশ্চ ভক্ষ্যং ভোজ্যঞ্চ সর্ব্বশঃ ॥১৪॥
প্রতিগৃহ্য চ তৎ সর্ব্বং দৃষ্ট্বা চৈব স্বয়ম্বরম্। অনুভূয়োৎসবঞ্চৈব গমিষ্যামো যথেপ্সিতম্ ॥ ১৫ ॥
নটা বৈতালিকাস্তত্র নর্ত্তকাঃ সূতমাগধাঃ। নিয়োধকাশ্চ দেশেভ্যঃ সমেষ্যন্তি মহাবলাঃ ॥১৬॥
এবং কৌতূহলং কৃত্বা দৃষ্ট্বা চ প্রতিগৃহ্য চ। সহাস্মাভির্মহাত্মানঃ পুনঃ প্রতিনিবৎর্স্যথ ॥১৭॥
দর্শনীয়াংশ্চ বঃ সর্ব্বান্ দেবরূপানবস্থিতান্। সমীক্ষ্য কৃষ্ণা বরয়েৎ সঙ্গত্যৈকতমং বরম্ ॥১৮॥
অয়ং ভ্রাতা তব শ্রীমান্ দর্শনীয়ো মহাভুজঃ। নিযুজ্যমানো বিজয়েৎ সঙ্গত্যা দ্রবিণং বহু ॥১৯॥

চাউরবী কন্যা অসে দ্রোণগী য়েক্নবা থুকন পাঙ্গল্লবা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মচম্নী ॥৭—৮॥ কল্লবা থাংশাং, লীরুং, তেন, তেন্দোং পুম্নমক অসিগা লোযননা যজ্ঞগী মৈনুংদগী মৈবুলগী মতৌগুম্না চোংথোকখিবনি ॥৯॥ অম্বাংপা লৈতনা কজরবী, খম্বাংজেংবী দ্রৌপদী হায়বী, ধৃষ্টদ্যুম্নগী মচন্মুপী অসি মহাকী থম্বাল অশংবাগা মাম্নরবা কুচু ওইরবা হকচাংগী মুংশিরবা মনমনা য়ুথক অমা লাপলিক্তেদগী লাকল্লিবনি ॥১০॥ অসুম ওইবী দ্রুপদগী মচা মুপী অসি মশামক্তা অপাম্বা বর খনগদৌরিবনি। মহাকপু য়েংগে অমসুং অচৌবা উৎসব অহুবুসু য়েংগে হায়দুনা ঐখোয চৎলিবনি ॥১১॥ দক্ষিনা মরাং কায়না তৌদুনা বিধি কায়দনা যজ্ঞ কয়া তৌখ্রবা, মশামক বেদ পাঠ তৌদুনা নিয়ম কায়দনা ব্রত কয়া তৌখ্রবা, মথক মথা অয়াম্বা খুজু খুৎলোই ওবা নাইনা তমদুনা হৈখ্রবা, থমোই হকচাং শেংলবা, পুকচেল চাউমবা মহারথি ওইরবা নিংথৌ কয়া কয়া অমসুং পুক্লিং হনম্বগী মশাক ওইরবা মথোং কায়কপা রাজকুমার কয়া অতোপ অতোপ্পা লৈপাক্তগী লাকদৌরিবনি ॥১২—১৩॥ মথোক্লনা জয় ওইনবা মথম অদুদা মথক মথা অয়াম্বা পোৎচৈ, লন-থুম, বণ অমসুং মথক মথা অয়াম্বা চা-থকবা পোৎচৈ দান তৌগদৌরি ॥১৪॥ ঐখোয়সু [illegible] অদু [illegible], [illegible] অদু [illegible] [illegible] অদু ইহিক্কা [illegible] চৎনিং-চৎনিংবা [illegible] [illegible] ॥১৫॥ [illegible] নীব [illegible] [illegible] পাঠ তৌবা, নিংথৌরোন পারি-পুক্কী শকপা [illegible] [illegible] [illegible] কয়া-কয়া [illegible] দেশতগী [illegible] ॥১৬॥ [illegible] ঐখোয় [illegible] [illegible]বনি ॥১৭॥ [illegible] দ্রৌপদীনা [illegible] [illegible] ॥১৮॥ [illegible] নিপা অসিনসু [illegible] ॥১৯॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

পরশ্বঃ ত্বো গমিষ্যামো দ্রষ্টুং চৈব মহোৎসবম্। ভবদ্ভিঃ সহিতাঃ সর্ব্বে কৃষ্ণায়াস্তং স্বয়ম্বরম্॥২০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি চৈত্ররথে

স্বয়ম্বরে পাণ্ডবগমনং নাম সপ্তসপ্তত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ॥০॥

——॰:(*):॰——

যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই— পূকচেল চাউরবাশা! ঐখোয় পূমনমক নখোয় মযামগা লোয়ননা অমতা ওইনা লুংঙাইববা কুষ্মেনা তিল্লবা দ্রৌপদী হায়বী অতুগী স্বয়ম্বর যেংবা চৎকনি॥২০॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতা আদি-পর্ব্বদা স্বয়ম্বরগী মতাংদা, পাণ্ডবশিংনা লাকপা কৌবা চামগা হুম্ফুতরাতরেৎ শুবা অধ্যায় লোইরে॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(ধৃষ্টদ্যুম্ননা বা হায়বা)

(চামা হমফুতরানিপাল শুবা অধ্যায়)

——:(†).——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তাঃ প্রয়াতাস্তে পাণ্ডবা জনমেজয়!। রাজ্ঞো দক্ষিণপাঞ্চালান্ দ্রুপদেনাভিরক্ষিতান্॥১॥

ততস্তে তু মহাত্মানং শুদ্ধাত্মানমকল্মষম্। দদৃশুঃ পাণ্ডবা বীরা মুনিং দ্বৈপায়নং তদা॥২॥

তস্মৈ যথাবৎ সৎকারং কৃত্বা তেন চ সৎকৃতাঃ। কথান্তে চাভ্যনুজ্ঞাতাঃ প্রযযুর্দ্রুপদালয়ম্॥৩॥

পশ্যন্তো রমণীয়ানি বনানি চ সরাংসি চ। তত্র তত্র বসন্তশ্চ শনৈর্জগ্মুর্মহারথাঃ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—মহারাজ! ব্রাহ্মণশিং অতুনা অসুম হায়রবদা পাণ্ডবশিংনা [illegible] [illegible] মথং [illegible] আয়টেকপোমদা চৎখ্রে॥১॥ [illegible] মুংদা [illegible] [illegible] [illegible], [illegible], [illegible] চাউরবা [illegible] উবখি॥২॥ [illegible] পাণ্ডবশিংনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈকপি। [illegible] মুংদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমসুং লৈবা পাণ্ডবশিংনা [illegible] [illegible] [illegible] চৎখি॥৩॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], উপান, পুখ্রি, [illegible], চেংকপেংকাতুনা [illegible] [illegible] [illegible]

স্বাধ্যায়বন্তঃ শুচয়ো মধুরাঃ প্রিয়বাদিনঃ। আনুপূর্ব্ব্যেণ সম্প্রাপ্তাঃ পাঞ্চালান্ পাণ্ডুনন্দনাঃ ॥৫॥
তে তু দৃষ্ট্বা পুরং তচ্চ স্কন্ধাবারঞ্চ পাণ্ডবাঃ। কুম্ভকারস্য শালায়াং নিবাসং চক্রিরে তদা ॥ ৬ ॥
তত্র ভৈক্ষ্যং সমাজহ্রুর্ব্রাহ্মণীং বৃত্তিমাশ্রিতাঃ। তান্ সম্প্রাপ্তাংস্তথা বীরান্ জজ্ঞিরে ন নরাঃ ক্বচিৎ ॥৭॥
যজ্ঞসেনস্য কামস্তু পাণ্ডবায় কিরীটিনে। কৃষ্ণাং দদ্যামিতি সদা ন চৈতদ্বিবৃণোতি সঃ ॥৮॥
সোঽন্বেষমাণঃ কৌন্তেয়ং পাঞ্চাল্যো জনমেজয়। দৃঢ়ং ধনুরনানম্যং কারয়ামাস ভারত! ॥ ৯ ॥
যন্ত্রং বৈহায়সঞ্চাপি কারয়ামাস কৃত্রিমম্। তেন যন্ত্রেণ সমিতং রাজা লক্ষ্যং চকার সঃ। ১০ ॥

দ্রুপদ উবাচ।

ইদং সজ্যং ধনুঃ কৃত্বা সজ্জৈরেভিশ্চ সায়কৈঃ। অতীত্য লক্ষ্যং যো বেদ্ধা স লব্ধা মৎসুতামিতি ॥১১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ইতি স দ্রুপদো রাজা স্বয়ম্বরমঘোষয়ৎ। তচ্ছ্রুত্বা পার্থিবাঃ সর্বে সমীয়ুস্তত্র ভারত! ॥ ১২ ॥
ঋষয়শ্চ মহাত্মানঃ স্বয়ম্বরদিদৃক্ষবঃ। দুর্য্যোধনপুরোগাশ্চ সকর্ণাঃ কুরবো নৃপ। ॥ ১৩ ॥
ব্রাহ্মণাশ্চ মহাভাগা দেশেভ্যঃ সমুপাগমন্। ততোঽর্চ্চিতা রাজগণা দ্রুপদেন মহাত্মনা ॥ ১৪ ॥

খঙ্গ-খরদংস্থ পোথা-পোথাহনা তপ্পা-তপ্পা পাঞ্চাল লোমদা চৎখি ॥৪॥ বেদপাঠ হৈরবা, মপ্পকচেল শেংলবা, মশক-মতৌ, শাওং-শাদা ফজরবা, মখোল-মৱা মুংশিরবা পাণ্ডবশিংনা মথং মথং লাক্কুনা পাঞ্চাল দেশদা থুংখি ॥৫॥ মখোয়না কোম্মুং অমদি লাম্মি তেঙ্গোল য়েংলবা তুংদা কনাগুম্বা চক্ শাবা নিপা অমগী য়ুমদা চংদুনা থুংখি ॥৬॥ মফম অদুদা ব্রাহ্মণগী মতৌগুম ব্রাহ্মণগী শাজৎ কিজেৎ পুম্নমক লৌদুনা লম অদুদা ভিক্ষা তৌদুনা লৈখি মরম অদুনা মফম অদুদা লৈবা মীশিংনা করিগুম্বদা মখোয়বু মশক খংখিদে ॥৭॥ মমাংঙৈদগী হৌনা দ্রুপদ নিংথৌগী পুক্নিংদা পাণ্ডুগী মচা অর্জ্জুনগী মফমদা দ্রৌপদী দান তৌগনি হায়না খল্দুনা লৈবনি, মাসি কনাগী মফমদহ খক হায়-দোকখিদে ॥৮॥ মরম অদুনা দ্রুপদনা অর্জ্জুনবু থিদুনা থোরকহনগে হায়বগীদমক অতোপ্পা কনা-অমত্তনা নোপকল্দুনা লৌরি হাপ্পা ঙমদবা চাউরবা লীকং অমা শাহন্দুনা থমখি ॥৯॥ অদুগা অতিয়াদা মথক্ত লৈজবা যন্ত্র (মরৈ) অমা শাদুনা থম্মি, অদুগী মথক্তা যন্ত্র অদুগা শন্নদুনা কাপকদৌরিবা পান্দমফম অমসু শাহনা থম্মি ॥১০॥ অদুগী তুংদা দ্রুপদনা হায়রকই—লৈরিবা লীরুং অসিদা লীরি হাপ্পুনা লৈরিবা তেনশিং অসিদগী অমনা তেঙ্গা থোংদুনা মথক্তা লৈরিবা যন্ত্র অসি লাম্থোক-হনখিহনা মাসিগী মথক্তা লৈরিবা লক্ষ (পান্দমফম) অসিবু কক্কুনা থাদবা ওম্বা নিপা অদুদা ইচানুপী পিগনি ॥১১॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—দ্রুপদ নিংথৌনা মতৌ অসুমনা স্বয়ম্বর সভা অদুদা তিল্লরিবা কন্যা প্পামদুনা লাকলিবা নিংথৌ, নিংথৌমচা খিবিক্কী মাংদা লাওথোকখি ; মাদু তাবদা অতোপ অতোপ্পা নিংথৌশিংনা, কর্ণগা লোয়নরবা দুর্য্যোধন-মচিংবা কুরুশাগৈগী অকন অথৌ পুমনমকনা অমসুং স্বয়ম্বর য়েংগে লাক্লিবা ঋষিশিংনা মফম অদুদা মপৈ-মপৈ লাকনখি ॥১২—১৩॥ অতোপ অতোপ্পা দেশদগী ব্রাহ্মণশিংসু স্বয়ম্বরদু য়েংবা লাকখি। অদুগী তুংদা দ্রুপদ নিংথৌনা মখল-মখা অয়াম্বা অচা অথক্পা

উপোপবিষ্টা মঞ্চেষু দ্রষ্টুকামাঃ স্বয়ম্বরম্। ততঃ পৌরজনাঃ সর্বে সাগরোদ্ধূতনিস্বনাঃ ॥১৫॥
শিশুমারশিরঃ প্রাপ্য ন্যবসংস্তে চ পার্থিবাঃ। প্রাগুত্তরেণ নগরাদ্ভূমিভাগে সমে শুভে ॥ ১৬ ॥
সমাজবাটঃ শুশুভে ভবনৈঃ সর্বতো বৃতঃ। প্রাকারপরিখোপেতো দ্বারতোরণমণ্ডিতঃ ॥ ১৭ ॥
বিতানেন বিচিত্রেণ সর্ব্বতঃ সমলঙ্কৃতঃ। তূর্য্যৌঘশতসঙ্কীর্ণঃ পরার্দ্ধ্যাগুরুধূপিতঃ ॥১৮॥
চন্দনোদকসিক্তশ্চ মাল্যদামোপশোভিতঃ। কৈলাসশিখরপ্রখ্যৈর্নভস্তলবিলেখিভিঃ ॥১৯॥
সর্ব্বতঃ সংবৃতঃ শুভ্রৈঃ প্রাসাদৈঃ সুকৃতোচ্ছ্রয়ৈঃ। সুবর্ণজালসংবীতৈর্মণিকুট্টিমভূষিতৈঃ ॥ ২০ ॥
সুখারোহণসোপানৈর্মহাসনপরিচ্ছদৈঃ। স্রগ্দামসমবচ্ছন্নৈরগুরূত্তমবাসিতৈঃ ॥ ২১ ॥
হংসাংশুবর্ণৈর্বহুভিরাযোজনসুগন্ধিভিঃ। অসম্বাধশতদ্বারৈঃ শয়নাসনশোভিতৈঃ।
বহুধাতুপিনদ্ধাঙ্গৈর্হিমবচ্ছিখরৈরিব ॥২২॥

নিংথৌশচা ব্রাহ্মণ অয়াম্ববু পেলহনখি ॥১৪॥ অদুগী তুংদা পাঞ্চাল দেশগী মীয়াম্না স্বয়ম্বর য়েংগে হায়দুনা সমুদ্রগী ইরাওথোল মতোংগুম য়াম্না নীল খোংদুনা শগায় থক্কা ক্রক ক্রক ইম্মনা ফম্মখি ॥১৫॥ শিশুমার হায়না কৌবা নারায়নগী মশক ওইরবা থব্বানমিচাক্কী মপৈ অদুগী কোকলোমদা মায ওনশিন্দুনা নিংথৌ পুম্নমক ফম্মি। অদুনা নগর অদুগী লৈতেম মাম্নরবা নিংখিজরবা চীংথে পাংবা মায়কৈদা ওনশিন্দুনা ফম্মি ॥১৬॥ *

পাক চাউরবা সভা মণ্ডপনা ময়াইদা নিংথিবী অকোইবদা ব্বাং চাউরবা ফুরা দলাল, মাঙ্গী ব্বাংমদা ব্বাং চাউরবা চেকপল অমদি থাঙ্গপাৎ, অগদগী সনথোংনা নিংথিজরী। সভা মণ্ডপ অসিগী মথক্তা থাকন মথল মথলনা নিংথিজরী। সভা মণ্ডপকী মফম মফমদা মথল মথলগী পুংশেলগী খোঙ্গেম্না পুমনীল নিল্লী; মরক অদদা মুংশিরবা অগরুচন্দনগী মনমনা শিনথুংনা শম্বোকরই মণ্ডপকী মফম পুম্নমক্তা চন্দনগী ঈশিংনা অতং অথম লৈতনা থিকই অদুগা ফজ ফজরবা লৈপরেং মথল মথলনা মফম মফমদা য়ান্দুনা নিংথিজরীবা মণ্ডপনি। কৈলাস চীংগী চীংদোনগুম ব্বাং চাউরবা অমদি ভৌরোক ভৌরবা য়ুম পরেং-পরেং শাম্বনা থমলি; হায়রিবা য়ুমশিং অসিগী মসুংদা মণি-মুক্তাদনা থাম্নবা ব্বাংতক-ব্বাংতক তৌনা শারবা কম-কম কয়া লৈ, কম কমশিং অদুদসু সনানা ফিরাল হাম্না ঝালর য়াওবা মমল য়াম্নবা ফি কয়ানা কুপলি, মুংঙায়না ইরাই লাইনা কাননবা কৈরাক কয়া থারি হায়রিবা কৈরাকশিং অসিবুসু ফজ ফজরবা লৈপরেং কয়ানা অমদি চন্দন খিক্তুনা মনম মুংশিহল্লি; য়ুমশিং অসিগী লৈমায় অদু কাংগুগী কুচুগুম ভৌরোক ভৌরোক ভোই মনমনা মায়কৈ মরিদা লাপ্প-লাপ্পা চৎলি; মথল মথা অয়াম্বা ধাতুভনা য়েকখোত্তনা শাবনা য়ুমশিং অদু হিমালয়গী চীংগুম নিংথিজরম্মি, মথোয়শিং অসিগী মসুংদা মমল য়াম্নবা ফিদা, ফমুং অমসুং

টীকা শিশুমার হায়বদি থব্বানমিচাক মপৈগী মশক লৌদুনা লৈবা নারায়ণগী কোক্লা ওনশিনবা মায়কৈ অসি বিষ্ণুপুরান্ মচিংবদা অয়াংগা নোংপোক্কা লোম্নবা চী থৈ পাংবা মায়কৈনি হায়রে। মায়কৈ অশোমদা ওন্দুনা নিংথৌশিং অহুনা ফম্মি হায়বনি।

তত্র নানাপ্রকারেষু বিমানেষু স্বলঙ্কৃতাঃ । স্পর্দ্ধমানাস্তদান্যোন্যং নিষেদুঃ সর্ব্বপার্থিবাঃ ॥২৩॥
তত্রোপবিষ্টান্ দদৃশুর্মহাসত্ত্বপরাক্রমান্ । রাজসিংহান্ মহাভাগান্ কৃষ্ণাগুরুবিভূষিতান্ ॥২৪॥
মহাপ্রসাদান্ ব্রহ্মণ্যান্ স্বরাষ্ট্রপরিরক্ষিণঃ । প্রিয়ান্ সর্ব্বস্য স্বকৃতৈঃ কর্ম্মভিঃ শুভৈঃ ॥২৫॥
মঞ্চেষু চ পরার্দ্ধ্যেষু পৌরজানপদা জনা । কৃষ্ণাদর্শনসিদ্ধ্যর্থং সর্ব্বতঃ সমুপাবিশন্ ॥ ২৬ ॥
ব্রাহ্মণৈস্তে চ সহিতাঃ পাণ্ডবাঃ সমুপাবিশন্ । ঋদ্ধিং পাঞ্চালরাজস্য পশ্যন্তস্তামনুত্তমাম্ ॥২৭॥
ততঃ সমাজো ববৃধে স রাজন্ দিবসান্ বহূন্ । রত্নপ্রদানবহুলঃ শোভিতো নটনর্ত্তকৈঃ ॥২৮॥
বর্ত্তমানে সমাজে তু রমণীয়েঽহ্নি ষোড়শে । আপ্লুতাঙ্গী সুবসনা সর্ব্বাভরণভূষিতা ॥২৯॥
মালাঞ্চ সমুপাদায় কাঞ্চনীং সমলঙ্কৃতাম্ । অবতীর্ণা ততো রঙ্গং দ্রৌপদী ভরতর্ষভ ॥৩০॥
পুরোহিতঃ সোমকানাং মন্ত্রবিদ্ব্রাহ্মণঃ শুচিঃ । পরিস্তীর্য্য জুহাবাগ্নিমাজ্যেন বিধিবত্তদা ॥৩১॥
স তর্পয়িত্বা জ্বলনং ব্রাহ্মণান্ স্বস্তি বাচ্য চ । বারয়ামাস সর্ব্বাণি বাদিত্রাণি সমন্ততঃ ॥৩২॥

মাতুগী মথক্তা ফজ-ফজরবা ফি কয়ানা কুপশিন্দুনা থম্লি ॥১৭—২২॥ মফম অদো মখল মখা অয়াম্বা দলাল মথোল তরেংকা ৱাং চাউরবা শঙ্গায়শিং অতুদা নিংথৌশিং অসিনা মখল মখা অয়াম্বা ফিজোনশিংনা লৈতেংতুনা অমনা অমবু ঐনা' হেল্লি—হেল্লি হায়না অমগা অমগা তান্নহনা ফম্নখি ॥২৩॥
কুপ্মে য়েংবা লাক্লিবা মীশিংনা উখি— মীচমগা মান্নদনা নোম্বা কল্লবা, মতিক মগুণ মথৌনা লৈরবা, প্রজাশিংবু থোইনা সুংশিবিরবা, ঋণ ব্রাহ্মণগী কান্নবদা থল্লবা, মশা মশাগী পাম্বোমগী পাঙ্গল্লা মরৈবাক ভাক্লিবা, অমসুং মীগী কামবগী দমক্তা তোংঙাল তোংঙালবা থবক মওং পুথোক পুথোক্তুনা মী পুম্নমক্কী সুংশিনফম ওইরবা নিংথৌশিং অসিনা মনম সুংশি সুংশিরবা অগরু কুমকুমনাচিংবা মনম সুংশিরবা পোৎশক খিবিক্লা তৈহনা অমদি লৈতেংতুনা মাগী মাগী ফমফম চান চানা ফমদুনা চীক্লা লৈনরি ॥২৪—২৫॥ অতোপ অতোপ্পা দেশদা লৈবা অমদি পাঞ্চাল দেশদা লৈবা মী পুম্নমক্না দ্রৌপদীবু য়েংগে হায়বগী দমক মায়কৈ ময়িমক্তা ফজরবা কাংথক অমদি শগায় মথক্তা কাহনা ফম্নখি ॥২৬॥ অদুগা পাণ্ডবশিংসু দ্রুপদ নিংথৌগী চাউরবা রাজ সম্পত্তি অদুবু য়েংল য়েংলদুনা ব্রাহ্মণশিংগী ময়ক্তা চংতুনা ফম্নখি ॥২৭॥ মহারাজ ! অদুগী তুংদা সুমিৎ কয়ানি চুপ্পা নোংম নোংমগী মীশিং হেনগৎ-লৱকই মরাং কায়না ফিংরোন লন থুম শান তৌনরক্কে অলহুৎ পুং-ইশৈ জগোই শাবা হৈবা হৈবীশিংনা জগোই শানরকই, ইশৈ শকমরকই অমসুং মথল মখা অয়াম্বা শীল', কুপ্মে শানরি ॥২৮॥ মতৌ অদুম তৌনা মীয়াম অদুনা সভাদু মনাম্ন চোম্ন ফমবথ্রবা, তরাতরুক্কনি শুবা সুমিদা দ্রৌপদীনা শিংথিনা [illegible] শিংখিজরবা ফিজোন লোয়্যেনা, হৌমবী লৈতেং পুম্নমক শেং চায়দুনা মশিনা মরক মরক্তা কংলবা শমরিক শাংনে মখল মথলনা লৈতেংলদুনা স্বয়ম্বর শাওন মরাইনা থোরকখি ॥২৯—৩০॥ অতম অদুদা মন্ত্র শংলবা শেংলবা সোমক বংশগী পুরোহিতনা মন্ত্রগা লোয়ননা যজ্ঞগী মৈ থোঙাদুনা শেংলবা ঘীনা হোম তৌরা হৈরক্কে ॥৩১॥ মতাকনা হোমতৌরে হায়রগা ব্রাহ্মণশিংবু স্বস্তি বাচননাচিংবা মঙ্গল পীনরবা বেদগী মন্ত্র থিহন্দুনা পুং শেল য়ৈরিবা শক্লিবাশিং অদু [illegible] ॥৩২॥

নিঃশব্দে তু কৃতে তস্মিন্ ধৃষ্টদ্যুম্নো বিশাম্পতে। কৃষ্ণামাদায় বিধিবন্মেঘদুন্দুভিনিস্বনঃ ॥৩৩॥
রঙ্গমধ্যে গতস্তত্র মেঘগম্ভীরয়া গিরা। বাক্যমুচ্চৈর্জগাদেদং শ্লক্ষ্ণমর্থবদুত্তমম্ ॥৩৪॥
ইদং ধনুর্লক্ষ্যমিমে চ বাণাঃ শৃণ্বন্তু মে ভূপতয়ঃ সমেতাঃ। ছিদ্রেণ যন্ত্রস্য সমর্পয়ধ্বং লক্ষ্যং শিতৈর্ব্যোমচরৈর্দশার্দ্ধৈঃ ॥৩৫॥
এতন্মহৎ কর্ম্ম করোতি যো বৈ কুলেন রূপেণ বলেন যুক্তঃ। তস্যাদ্য ভার্য্যা ভগিনী মমেয়ং কৃষ্ণা ভবিত্রী ন মৃষা ব্রবীমি ॥৩৬॥
তানেবমুক্ত্বা দ্রুপদস্য পুত্রঃ পশ্চাদিদং তাং ভগিনীমুবাচ। নাম্না চ গোত্রেণ চ কর্ম্মণা চ সঙ্কীর্ত্তয়ন্ ভূমিপতীন্ সমেতান্ ॥৩৭॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
স্বয়ম্বরে ধৃষ্টদ্যুম্নবাক্যে অষ্টসপ্তত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—(০)—

মহারাজ! কুম্মৈ তৌফম অদুনা উনমুক চীৎনা লৈনথ্রবা মতমদা, লুম্লবা নোং অমদি দুন্দুভিগী খোঞ্জেলগুমনা লুম্লবা লেম্লবা খোন্থোকনা তিল্লবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা নিয়ম কায়দনা দ্রৌপদীবু পুশিল্লক্লুনা কুম্মৈ তৌফম অদুদা চংলক্লুনা নোং খোংবগী মতৌগুমনা লুমলবা লেমলবা খ্বাইনা অমসুং ব্যবহার কায়দবা অথোংপা অমদি তাবদা পূর্ণনিং হুনবগী মশক ওইরবা খ্বাই অমনিদং ময়ামগী মাংদা হায়দোকখি ॥৩৩—৩৪॥ তির্নবিরিবা নিংথৌ খিখিক তাবিয়ু— মফম অসিদা লীরুং, তেন অমদি পান্দমগদৌবা পোৎশক শুনা লৈরে; তির্নবিরিবা ময়াননা থৌরবা তেন মঙানা লৈদ্রনা লৈরিবা যন্ত্র অসিগী মথুন্দা লান্থোক হনখিদুনা মথক্তা লৈরিবা লক্ষ্য (পান্দমফম) অসিবু কক্লুনা থাদবিয়ু ॥৩৫॥ শাগৈ জাৎ অচৌবদা পোক্লবা, শকচু নিংথিজরবা, মীথোই মীহেম্না কল্লবা, কনাগুম্বা নিংথৌমচা অমদি নিংথৌনা থবক অসিবু পাংথোকপিরবদি মহাক্কী মফমদা ইচন মুপী অসিবু কৎলগা মহাক্কী লেংরবী লোয়নবী ওইহনজগনি। মাসিদা করিমতা মীনম্বা য়াওদে ॥৩৬॥ ধৃষ্টদ্যুম্ননা নিংথৌশিংদা অসুম হায়দুনা মশক মমিং গোত্র শাগৈ তাক্লুনা নিংথৌশিং অদুবু শকা মিংগা পাননা খংহনগে হায়দুনা দ্রৌপদীগী মফমদ' খ্বা অসি হায়খি ॥৩৭॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা স্বয়ম্বরদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা খ্বা হায়বা কৌবা চামগা হুমফুত্তরানিপাল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(●):—

শ্রীমহাভারতম্

(স্ব[illegible]গী মতাং)

(চাম হুমস্যুতরা[illegible]পল শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

ধৃষ্টদ্যুম্ন উবাচ।

দুর্য্যোধনো দুর্ব্বিষহো দুর্ম্মুখো দুস্প্রধর্ষণঃ। বিবিংশতির্বিকর্ণশ্চ সহো দুঃশাসনস্তথা ॥১॥
যুযুৎসুর্ব্বায়ুবেগশ্চ ভীমবেগরবস্তথা। উগ্রায়ুধো বলাকী চ কনকায়ুর্বিরোচনঃ ॥২॥
কুণ্ডজশ্চিত্রসেনশ্চ সুবর্চ্চাঃ কনকধ্বজঃ। নন্দকো বাহুশালী চ তুহুণ্ডো বিকটস্তথা ॥৩॥
এতে চান্যে চ বহবো ধার্ত্তরাষ্ট্রা মহাবলাঃ। কর্ণেন সহিতা বীরাস্তদর্থং সমুপাগতাঃ ॥৪॥
অসংখ্যাতা মহাত্মানঃ পার্থিবাঃ ক্ষত্রিয়র্ষভাঃ। শকুনিঃ সৌবলশ্চৈব বৃষকোঽথ বৃহদ্বলঃ ॥৫॥
এতে গান্ধাররাজস্য সুতাঃ সর্ব্বে সমাগতাঃ। অশ্বত্থামা চ ভোজশ্চ সর্ব্বশস্ত্রভৃতাং বরৌ ॥৬॥
সমবেতৌ মহাত্মানৌ ত্বদর্থে সমলঙ্কৃতৌ। বৃহন্তো মণিমাংশ্চৈব দণ্ডধারশ্চ পার্থিবঃ ॥৭॥
সহদেবজয়ৎসেনৌ মেঘসন্ধিশ্চ মাগধঃ। বিরাটঃ সহ পুত্রাভ্যাং শঙ্খেনৈবোত্তরেণ চ ॥৮॥
বার্দ্ধক্ষেমিঃ সুবর্চ্চাশ্চ সেনাবিন্দুশ্চ পার্থিবঃ। সুকেতু সহ পুত্রেণ সুনাম্না চ সুবর্চ্চসা ॥৯॥
সুচিত্রঃ সুকুমারশ্চ বৃকঃ সত্যধৃতিস্তথা। সূর্য্যধ্বজো রোচমানো নীলশ্চিত্রায়ুধস্তথা ॥১০॥

ধৃষ্টদ্যুম্ননা হায়খি—দ্রৌপদি! দুর্য্যোধন, দুর্বিষহ, দুর্ম্মুখ, দুস্প্রধর্ষন, বিবিংশতি, বিকর্ণ, দুঃশাসন, যুযুৎসু, বায়ুবেগ, ভীমবেগ, উগ্রায়ুধ, বলাকী, কনকায়ু, বিরোচন, কুণ্ডজ, চিত্রসেন, সুবর্চ্চা, কনকধ্বজ, নন্দক, বাহুশলী, তুহুণ্ড অমসুং বিকট অসিনচিংবা, অদুগা অতোপ অতোপ্পা কয়া-কয়াবা অতে অতোপ্পা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা কর্ণগা লোয়নননা নহাকীদমক্তা, নংবু আশা তৌদুনা লাক্লে ॥১—৪॥ পুকচেল চাউরবা, ক্ষত্রিয় শাগেগী অথোইবা মশিং লাকপমরবা নিংথৌ কয়াবু লাক্লি। শকুনি, সৌবল, বৃষক অমসুং বৃহদ্বল হায়বা গান্ধার নিংথৌগী মচা মরি অসিসু লাক্লি; মথোয় অনিগী মথংদা খুৎলাই হৈবগী মসুংদা অথোইবা অশ্বত্থামা অমসুং ভোজরাজ অনি অসিসু মথল মথা অয়াবা ফিজেৎ লৈতেংদুনা কমলি। বৃহন্ত, মনিমান অমসুং দণ্ডধার কৌবা নিংথৌসু লাক্লগনি থুংলরে ॥৫—৭॥ সাহদেব, জয়সেন, মগধ নিংথৌ মেঘসন্ধি অমসুং শঙ্খ অদুগা উত্তর কৌবা মচা অনিগা লোয়নননা বিরাট নিংথৌ লাক্লে ॥৮॥ বার্দ্ধক্ষেমি, সুবর্চ্চা, সেনবিন্দু অমসুং সুনাম অদুগা সুবর্চ্চা কৌবা মচা অনিগা লোয়নননা সুকেতু কৌবা নিংথৌসু য়াওরি ॥৯॥ সুচিত্র, সুকুমার, বৃক, সত্যধৃতি, সূর্য্যধ্বজ, রোচমান, নীল অমদি চিত্রায়ুধ কৌবা নিংথৌসু শরাগী মরক

অংশুমাংশ্চেকিতানশ্চ শ্রেণিমাংশ্চ মহাবলঃ । সমুদ্রসেনপুত্রশ্চ চন্দ্রসেনঃ প্রতাপবান্ ॥১১॥
জলসন্ধঃ পিতা পুত্রৌ বিদণ্ডো দণ্ড এব চ । পৌণ্ড্রকো বাসুদেবশ্চ ভগদত্তশ্চ বীর্য্যবান্ ॥১২॥
কলিঙ্গস্তাম্রলিপ্তশ্চ পত্তনাধিপতিস্তথা । মদ্ররাজস্তথা শল্যঃ সহপুত্রো মহারথঃ ॥ ১৩ ॥
রুক্মাঙ্গদেন বীরেণ তথা রুক্মরথেন চ । কৌরব্যঃ সোমদত্তশ্চ পুত্রাশ্চাস্য মহারথাঃ ॥১৪॥
সমবেতাস্ত্রয়ঃ শূরা ভূরির্ভূরিশ্রবাঃ শলঃ । সুদক্ষিণশ্চ কাম্বোজো দৃঢ়ধন্বা চ পৌরবঃ ॥১৫॥
বৃহদ্বলঃ সুষেণশ্চ শিবিরৌশীনরস্তথা । পটচ্চরনিহন্তা চ করূষাধিপতিস্তথা ॥১৬॥
সঙ্কর্ষণো বাসুদেবো রৌক্মিণেয়শ্চ বীর্য্যবান্ । শাম্বশ্চ চারুদেষ্ণশ্চ প্রাদ্যুম্নিঃ সগদস্তথা ॥১৭॥
অক্রূরঃ সাত্যকিশ্চৈব উদ্ধবশ্চ মহামতিঃ । কৃতবর্ম্মা চ হার্দ্দিক্যঃ পৃথুর্বিপৃথুরেব চ ॥ ১৮ ॥
বিদূরথশ্চ কঙ্কশ্চ শঙ্খশ্চ সগবেষণঃ । আশাবহোঽনিরুদ্ধশ্চ সমীকঃ সারিমেজয়ঃ ॥ ১৯ ॥
বীরো বাতপতিশ্চৈব ঝিল্লী পিণ্ডারকস্তথা । উশীনরশ্চ বিক্রান্তো বৃষ্ণয়স্তে প্রকীর্ত্তিতাঃ ॥ ২০ ॥
ভগীরথো বৃহৎক্ষত্রঃ সৈন্ধবশ্চ জয়দ্রথঃ । বৃহদ্রথো বাহ্লিকশ্চ শ্রুতায়ুশ্চ মহারথঃ ॥২১॥
উলূকঃ কৈতবো রাজা চিত্রাঙ্গদশুভাঙ্গদৌ । বৎসরাজশ্চ মতিমান্ কোশলাধিপতিস্তথা ।
শিশুপালশ্চ বিক্রান্তো জরাসন্ধস্তথৈব চ ॥২২॥
এতে চান্যে চ বহবো নানাজনপদেশ্বরাঃ । স্বদর্থমাগতা ভদ্রে ! ক্ষত্রিয়াঃ প্রথিতা ভুবি ॥ ২৩॥

অসিদা য়াওরে ॥১০॥ অংশুমান, চেকিতান, মপাঙ্গল কল্লবা শ্রেণিমান অহুগা সমুদ্রসেনগী মচা নিপা খুৎকল পাঙ্গল্লবা চন্দ্রসেন লাক্লে ॥১১॥ বিদণ্ড অমসুং দণ্ড কোবা মচাগা লোয়ননা জলসন্ধ পৌণ্ড্রক, বাসুদেব অমসুং মপাঙ্গল কল্লবা ভগদত্তসু লাকলে ॥১২॥ অহুগা কলিঙ্গ নিংথৌ, তাম্রলিপ্তগী নিংথৌ, পত্তনগী নিংথৌ অমসুং মচাগা লোয়ননা মদ্র দেশগী নিংথৌ মহারথি শৈল্যসু লাক্লুনা য়াও রক্লি ॥১৩॥ রুক্মাঙ্গদ অমসুং রুক্মরথ অনিগা লোয়ননা কুরুবংশগী সোমদত্ত অমসুং মহাককী কল্লবা মচা-শিংসু লাকলে ॥১৪॥ থোইনা ভূরি, ভূরিশ্রবা অমসুং শল মিশক অহুম অসিসু অহুগা কাম্বোজ দেশগী সুদক্ষিণ অহুগা পুরুবংশগী দৃঢ়ধন্বসু য়াওরক্লি ॥১৫॥ বৃহৎবল, সুষেণ, উশীনরগী মচা শিবি অমসুং হয়ান চিংথি পুমনমক নৈহৎপা ঙম্লবা করূষগী নিংথৌসু লাক্লে ॥১৬॥

বলরাম, কৃষ্ণ, প্রদ্যুম্ন, শাম্ব, চারুদেষ্ণ প্রদ্যুম্নগী মচা, গদ, অক্রূর, সাত্যকি, উদ্ধব, কৃতবর্ম্মা, হার্দ্দিক্য, পৃথু, বিপৃথু, বিদূরথ, কঙ্ক, শঙ্খ, গবেষণ, আশাবহ, অনিরুদ্ধ, সমীক, সারিমেজয়, বাতপতি ঝিল্লী, পিণ্ডারক অমসুং উশীনর পুমনমক অসি বৃষ্ণি বংশগী মিথোই মীচেলবা মতম্নি, মথোয়সু লাক্লি ॥১৭—২০॥ ভগীরথ, বৃহৎক্ষেত্র, সিন্ধু নিংথৌ জয়দ্রথ, বৃহদ্রথ, বাহ্লিক অমসুং মহারথি শ্রুতায়ু কৌবসু লাক্লে ॥২১॥ উলূক, কৈতব, চিত্রাঙ্গদ, শুভাঙ্গদ, বৎসরাজ, কোশল দেশগী নিংথৌ, শুংখল পাঙ্গল্লবা শিশুপাল অমসুং জরাসন্ধ লাক্লুনা লুৎলরে ॥২২॥ ইকেন্না ! মথোয়শিং অদে অমসুং অতিনহন্না অতোপ অতোপ্পা দেশগী নিংথৌ কয়া কামানা অহুগা নগন্তা লাওবা ক্ষত্রিয় কয়া কমান।

এতে ভেৎস্তন্তি বিক্রাম্যাবদর্থে লক্ষ্যমুত্তমম্। বিধ্যেত য ইদং লক্ষ্যং বরয়েথাঃ শুভেহগ্ন তম্ ॥ ২৪ ॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
স্বয়ম্বরে রাজনামকীর্ত্তনে উনাশীত্যধিকশততমোঽধ্যায় ॥০॥

নংগী দমক্তা থুংলরি ॥২৩॥ মঙ্গলগী মশক শুইরবী। খুৎকন পাঙ্গল্লবা নিংথৌ কয়ানা নংগী দমক্তম লক্ষ্য কাপকদৌরি, মথোয়শিং অসিগী মপুংদা লক্ষ্যসি ককপা তুম্বা মীশক অতুদা নহাক্তা নপুরোই-বগুম বরমাল্য ছক্কদৌরিবনি ॥২৪॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোকলিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা স্বয়ম্বরগী মতাংদা নিংথৌশিংগী মমিং হায়বা কৌবা হুমফুতরা মাপল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম

(স্বয়ম্বরগী মতাংদা নিংথৌ মযাম মাইথিবা ফংবগী ৱারী)

(চামা মরিফু শুবা অধ্যায়)

—.(০):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তেঽলঙ্কৃতাঃ কুণ্ডলিনো যুবানঃ পরস্পরং স্পর্দ্ধমানা নরেন্দ্রাঃ।
অস্ত্রং বলঞ্চাত্মনি মন্যমানাঃ সর্ব্বে সমুৎপেতুরুদায়ুধাস্তে ॥ ১ ॥

রূপেণ বীর্য্যেণ কুলেন চৈব শীলেন বিত্তেন চ যৌবনেন। সমিদ্ধদর্পা মদবেগভিন্না মত্তা যথা হৈমবতা গজেন্দ্রাঃ ॥২॥
পরস্পরং স্পর্দ্ধয়া প্রেক্ষমাণাঃ সঙ্কল্পজেনাভিপরিপ্লুতাঙ্গাঃ। কৃষ্ণা মমৈবেত্যভিভাষমাণা নৃপাসনেভ্যঃ সহসোদতিষ্ঠন্ ॥৩॥
তে ক্ষত্রিয়া রঙ্গগতাঃ সমেতা জিগীষমাণা দ্রুপদাত্মজাং তাম্। চকাশিরে পর্ব্বতরাজকন্যামুমাং যথা দেবগণাঃ সমেতা ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— কুণ্ডল নাইননাচিংবা মখল মখা অয়াম্বা লৈতেংনা নিংথিজরবা, মথোৎ কারকপা, নিংথৌ নিংথৌমচা কয়ানা, খুৎলাইদা পাজন্দা মশা মশাবু মীথোই মীহেনলবনি খল্লবা, অমনা অমবু উশিৎনদ্রবা, "ঐনা হেল্লি—ঐনা হেল্লি" হায়না মপুক্লিংদা শীংনরিবা, মথোয় অতুনা থুজু থুলাই শেম শাতুনা লক্ষ্য কাপকনি হায়দুনা ফুক ফুক হৌগৎনখি ॥১॥ শাগৈদা, লমচত্তা মশক মতৌ শাবান্দা, পাখং মপুং ফারবা পাজন্দা অমস্থং লনথুমদা অৱাৎপা লৈত্রবশিং অদুনা, হিমালয় চীংথোংদা লৈবা মচুমতারবা চাউর চাউরবা শামুশিংগী মতৌগুম মাগী মাগী তৌবা তুম্বগী পাজন অমদি নাপল উৎনখি ॥২॥ মথোয় অমগা অমগা শীংনহনা দ্রৌপদীরোমজ ফিংনা য়েংদুনা, অপাম্বনা ভাওরবা "দ্রৌপদীদি ঐগী শোয়দ্রবনি" অসুম হায়নদুনা খুদক অদুদা মাগী মাগী আসনদগী হৌগৎনখি ॥৩॥ মমাংঙৈদা হিমালয়গী মচানুপী উমাবু ফংননবগী দমক তিল্লরিবা দেবতা পুজমক্তা নিংখিজখিবা

কন্দর্পবাণাভিনিপীড়িতাঙ্গাঃ কৃষ্ণাগতৈস্তে হৃদয়ৈর্নরেন্দ্রাঃ। রঙ্গাবতীর্ণা দ্রুপদাত্মজার্থং দ্বেষং প্রচক্রুঃ সুহৃদোঽপি তত্র ॥৫॥
অথাযযুর্দেবগণা বিমানৈ রুদ্রাদিত্যা বসবোঽথাশ্বিনৌ চ। সাধ্যাশ্চ সর্ব্বে মরুতস্তথৈব যমং পুরস্কৃত্য ধনেশ্বরশ্চ ॥৬॥
দৈত্যাঃ সুপর্ণাশ্চ মহোরগাশ্চ দেবর্ষয়ো গুহ্যকাশ্চারণাশ্চ। বিশ্বাবসুর্নারদপর্ব্বতৌ চ গন্ধর্ব্বমুখ্যাঃ সহ চাপ্সরোভিঃ ॥৭॥
হলায়ুধস্তত্র জনার্দনশ্চ বৃষ্ণ্যন্ধকাশ্চৈব যথা প্রধানাঃ। প্রেক্ষাং স্ম চক্রুর্যদুপুঙ্গবাস্তে স্থিতাশ্চ কৃষ্ণস্য মতে মহান্তঃ ॥৮॥
দৃষ্ট্বা তু তান্ মত্তগজেন্দ্ররূপান্ পঞ্চাভিপদ্মানিব বারণেন্দ্রান্। ভস্মাবৃতাঙ্গানিব হব্যবাহান্ কৃষ্ণঃ প্রদধ্যৌ যদুবীরমুখ্যঃ ॥৯॥

শশংস রামায় যুধিষ্ঠিরং স ভীমং সজিষ্ণুঞ্চ যমৌ চ বীরৌ।
শনৈঃ শনৈস্তান্ প্রসমীক্ষ্য রামো জনার্দনং প্রীতমনা দদর্শ ॥ ১০ ॥

অন্যে তু বীরা নৃপপুত্রপৌত্রাঃ কৃষ্ণাগতৈর্নেত্রমনঃস্বভাবৈঃ।
ব্যায়চ্ছমানা দদৃশুর্ন তান্ বৈ সন্দষ্টদন্তচ্ছদতাম্রনেত্রাঃ ॥ ১১ ॥

তথৈব পার্থাঃ পৃথুবাহবস্তে বীরৌ যমৌ চৈব মহানুভাবৌ।
তাং দ্রৌপদীং প্রেক্ষ্য তদা স্ম সর্ব্বে কন্দর্পবাণাভিহতা বভূবুঃ ॥ ১২ ॥

অদুগুম, দ্রুপদগী মচা নুপী অদুবু লৌগনি হায়দুনা তিল্লরিবা অদুক য়াম্বা নিংথৌশিং অদুম্ম স্বয়ম্বর সভা অদুদা থোইনা নিংথিজখি ॥৪॥ মখোয়গী থমোই অদু দ্রৌপদীগী মফমদা থোইন হেল্লা চংখিদুনা অপাম মুংশিবগী তেনগী চৈনাখোল ফংলদুনা স্বয়ম্বর সভা অদুগী মনুংদা মখোয় মশেল অমগা অমগা মরূপ মপাং শাগে নাতে থোক্লরবসু দ্রৌপদীবু তান্নরকপদা অমগা অমগা য়েকনবা ওইনখি ॥৫॥ অদুগী তুংদা রুদ্র তরামাথোই, আদিত্য তরানিথোই, বসু নিপাল, অশ্বিনী কুমার অনি, সিদ্ধ সাধ্যশিং অমসুং মরুৎ পুন্নমক (মুংশিং নিফুমাপল) মখোয় পুন্নমক অদিনা যমনা মাংথাদুনা কুবেরগী বিমানদা তোংদুনা স্বয়ম্বর য়েংবা লাকখি ॥৬॥ দৈত্যশিংগী মপৈ গরুড়গী বংশগী উচেক মপৈ, অচৌ অচৌবা লিলগী মপৈ, দেবর্ষি মপৈ, গুহ্যকশিং, চারণশিং, বিশ্বাবসু, নারদ মুনি, পর্ব্বত মুনি অমসুং অপ্সরাশিংগা লোয়ননা অচৌ অচৌবা গন্ধর্ব কয়া লাকখি ॥৭॥ মতম অদদা বলরাম, কৃষ্ণ, বৃষ্ণি বংশগী, অন্ধক বংশগী অমসুং যদু বংশগী অথোই অথোইবা কয়াম্ব কৃষ্ণগী মত মতুং ইন্না অদুগা দেবতাশিংগী অমসুং ঋষিশিংগী মত মতুং ইন্না চুন্নদা য়েংবা লাকখি ॥৮॥ মতম অদুদা মচুম্ম তারবা শামুগী মতৌগুম্না মপাঞ্জল কল্লবা, উৎনা কুপ্পা মৈগুম্বা, অরোনবা অথুপ্পা শকতম পুবা, অমত্তা শাৎপা থম্বালবু তমশিন্নরকপা শমু মত্তাগুম লৈরিবা পাণ্ডব মঙাবু উবদদা কৃষ্ণনা শক খংখি ॥৯॥ অদুগী তুংদা শ্রীকৃষ্ণনা বলরামগী মফমদা লোন্না যুধিষ্ঠির, ভীম, অর্জ্জুন, নকুল, অমসুং সহদেবগী মরমদা হায়খি; মতম অদুদা বলরামনা তপ্প তপ্না লোন্না থুপ্না পাণ্ডবশিংদা য়েংলগা থবাই নুংঙাইরবা মিৎথংকা লোয়ননা কৃষ্ণরোমদা ওনশিন্দুনা হয়াওনা য়েংখি ॥১০॥ কল্লবা নিংথৌ, নিংথৌ মচা মগুশিং অহদি দ্রৌপদীগী মফমদা অমসুং দ্রৌপদীগী শারুক খোংথাং অদুদা মমিৎ, থমোই পুরুনিং চংমনখিবনা মখোয় য়াওনা মপান থংদনা হাই হুমনা লৈখিবনা পাণ্ডবশিংবু উখিদে অমসুং মশক খংখিদে, মমিৎ ঙাংহৈনা মখদাং চীকতুনত্তা লৈনখি ॥১১॥ মখোয় অদুগুম্নদুনা পান্থোম চাউ

মেঘৌঘতূর্য্যার্ণবনাদিতং তৎ সুপর্ণনাগাসুরসিদ্ধজুষ্টম্।
দিব্যেন গন্ধেন সমাকুলঞ্চ দিব্যৈশ্চ পুষ্পৈরবকীর্য্যমাণম্ ॥ ১৩ ॥

মহাস্বনৈর্দুন্দুভিনাদিতৈশ্চ বভূব তৎ সঙ্কুলমন্তরীক্ষম্। বিমানসম্বাধমভূৎ সমন্তাৎ সবেণুবীণাপণবানুনাদম্ ॥ ১৪ ॥]

ততস্তু তে রাজগণাঃ ক্রমেণ কৃষ্ণানিমিত্তং কৃতবিক্রমাশ্চ। সকর্ণ দুর্য্যোধন শাল্ব-শল্যা দ্রৌণায়নি-ক্রাথ-সুনীথ-বক্রাঃ ।১৫।

কলিঙ্গ-বঙ্গাধিপ-পাণ্ড্য-পৌণ্ড্রা বিদেহরাজো যবনাধিপশ্চ। অন্যে চ নানা-নৃপ-পুত্র-পৌত্রা রাষ্ট্রাধিপাঃ পঙ্কজপত্রনেত্রাঃ ।১৬।

কিরীট-হারাঙ্গদ-চক্রবালৈর্বিভূষিতাঙ্গাঃ পৃথুবাহবস্তে। অনুক্রমং বিক্রমসত্ত্বযুক্তা বলেন দর্পেণ চ নর্দমানাঃ ॥১৭॥

তৎ কার্ম্মুকং সংহননোপপন্নং সজ্যং ন শেকুর্মনসাপি কর্ত্তুম্।
তে বিক্রমন্তঃ স্ফুরিতাধরৌষ্ঠা বিক্ষিপ্যমাণা ধনুষা নরেন্দ্রাঃ ॥১৮॥

বিচেষ্টমানা ধরণীতলস্থা যথাবলং শৈক্ষ্যগুণক্রমাশ্চ। গতৌজসঃ স্রস্তকিরীটহারা বিনিশ্বসন্তঃ শমযাম্বভূবুঃ ॥১৯॥

হাহাকৃতং তদ্ধনুষা দৃঢ়েন বিস্রস্তহারাঙ্গদচক্রবালম্। কৃষ্ণানিমিত্তং বিনিবৃত্তকামং রাজ্ঞাং তদা মণ্ডলমার্ত্তমাসীৎ ॥২০॥

শাংলবা যুধিষ্ঠির, ভীম, অর্জ্জুন, নকুল, অমসুং সহদেব মখোয় মঙাম্থু দ্রৌপদীবু উবদা অপাম মুংশিগী ক্রোধনী চৈনাথোল কংবা হৌখি ॥১২॥

মতম অসিদা দেবতাশিং, ঋষিশিং, গন্ধর্ব্ব ময়াম, গরুড় বংশগী ময়াম, লিলবংশগী ময়াম, অসুরশৈং অমসুং সিদ্ধশিংনা অতিয়াদা লেপ্তুনা য়েংনখি; স্বর্গগী মুংশিরবা মনম শন্দোকখি স্বর্গদগী লৈগী নোং চুখখি; পাক চাউরবা দুন্দুভীগী খোঞ্জেলা নোংমদোম পুমনিন নীলখি, বেণু বীনা শিজাগী খোঞ্জেলা পুমণীল-নীলখি; কজ-কজরবা রথ অশাংবী পরেং পরেংনা নোংমদোম কুপখি ॥১৩—১৪॥ অসিগী তুংদা কর্ণ, দুর্য্যোধন, শাল্ব, দ্রৌনাযনি, ক্রাথ, সুনীথ অমসুং বক্র মখোয় অসিনা দ্রৌপদীবু নুংশিংবনা মথং-মথং মপাঙ্গল মথৌনা উত্তুনা মপাঙ্খোম তিংনখি; অদুগা কলিঙ্গ, বঙ্গ, পাণ্ড্য অমসুং পৌণ্ড্র দেশগী নিংথৌশিং, বিদেহ অমসুং যবন দেশগী নিংথৌশিংনা মণি মুক্তানা হুললবা লুখুপ, শনরিক, খুজি-নাচি অসিনচিংনা লৈতেংলবা খবাক মিংতো তাবা, মপাঙ্খোম শাং চাউরবা, লোখা কলবা, মরিল লৈরবা, অতোপ অতোপা নিংথৌশিং অমসুং নিংথৌগী মচানচা পুন্নমকনা মথংশিংনা মতিক মগুণ নাপলগা লোয়নমনা মপাঙ্গল থেকনা ভংদুনা লৈনখি, অদুবু কনবা চাউরবা লীকং অদু লীরি চাম্রা কাওবা ভমগনি হায়বা মপুন্নিংদা খনখিদে; অদুম ওইনমক মখোয় পূমনমকনা মচিনবান খক-খা খক-খক নিকতুনা মপাঙ্গল কুদোক্তুনা লীমি হাপ্তুনা য়েংবদা লীকং অদুনা কাফথলক্তুনা তুনখি ॥১৫—১৮॥ লীরি হাপ্পগী নিয়ম পুন্নমক থংলবা নিংথৌশিং অদুনা মাগী মালথালা তবা শক্তিনা কনা য়াবা কয়া হোংদুনদু লীকং অদু থেক থেক কাপথলক্তুনা তুনা তেজ-বীর্য্য পুন্নমক মাংনখ্রে; লুখুপ লৈতেং পুন্নমক হিকথনা তাখি, অসিগুম্বা অবস্থা রোয়বক দুংগা মণী খুইনা খুইনা হোন্দুনা দ্রৌপদী লংগনি হায়বগী আশা থাদোকখি ॥১৯॥

লীকং অদুনা মুক্তা নিংথৌশিং অদুগী খুজি-নাচী মরিক মকোক লোয়না তত্তুনা তানখ; মী পুন্নমক হা-হাকার লাওখি অমসুং মখোয় অদুদু দ্রৌপদী ফংলরাই হায়বা খল্লুমনা থোইনা

সর্বান্ নৃপাংস্তান্ প্রসমীক্ষ্য কর্ণো। ধনুর্দ্ধরাণাং প্রবরো জগাম।
উদ্ধৃত্য তূর্ণং ধনুরুদ্যতং তৎ সজ্যঞ্চকারাশু যুযোজ বাণান্ ॥ ২১ ॥
দৃষ্ট্বা সূতং মেনিরে পাণ্ডুপুত্রা ভিত্বা নীতং লক্ষ্যবরং ধরাগ্রাম্
ধনুর্দ্ধরা রাগকৃতপ্রতিজ্ঞমত্যগ্নিসোমার্কমথার্কপুত্রম্ ॥ ২২ ॥
দৃষ্ট্বা তু তং দ্রৌপদী বাক্যমুচ্চৈর্জগাদ নাহং বরয়ামি সূতম্।
সামর্ষহাসং প্রসমীক্ষ্য সূর্য্যং তত্যাজ কর্ণঃ স্ফুরিতং ধনুস্তৎ ॥ ২৩ ॥

এবং তেষু নিবৃত্তেষু ক্ষত্রিয়েষু সমন্ততঃ। চেদীনামধিপো বীরো বলবানন্তকোপমঃ ॥ ২৪॥
দমঘোষসুতো ধীরঃ শিশুপালো মহামতিঃ। ধনুরাদায়মানস্তু জানুভ্যামগমন্মহীম্ ॥ ২৫॥
ততো রাজা মহাবীর্য্যো জরাসন্ধো মহাবলঃ। ধনুষোঽভ্যাসমাগত্য তস্থৌ গিরিরিবাচলঃ ॥২৬॥
ধনুষা পীড্যমানস্তু জানুভ্যামগমন্মহীম্। তত উত্থায় রাজা স স্বরাষ্ট্রাণ্যভিজগ্মিবান্ ॥২৭॥
ততঃ শল্যো মহাবীরো মদ্ররাজো মহাবলঃ। তদপ্যারোপ্যমাণস্তু জানুভ্যামগমন্মহীম্ ॥২৮॥

লাংতক্লখি ॥২০॥ মতম অতুদা লীকং পায়বা খুৎলাই হৈবগী মনুংদা অথোইবা ওইরবা কর্ণনা নিংথৌশিংগী ওইরিবা অবস্থা অদু উবদা থল্লিবা লীকং অদুগী মনাক্তা প্রপ-প্রপ চংশিল্লক্লুনা লীরুং অদু খুন-য়াংনা থাঙ্গক্লুনা লীরি হাপ্লগা তেঙ্গা থোংখি ॥২১॥ পাণ্ডবশিংনা কর্ণবু উবদা পৃথিবীগী মনুংদা কর্ণ অসিতনা লক্ষ্য অসি কক্লুনা দ্রৌপদী লৌখ্রেদনা হাযবসি মপুক্লিংদা চপমান্না খনখি। অদুগা অতোপ অতোপপা খুৎলাই হৈবনা নিংথৌশিংনসু অসুম হায়না খল্লখি—কর্ণ অসিনা দ্রৌপদীবু পান্দনা লক্ষ্য অসি কক্কে হাযবগীদমক ব্রাশক্লবনি; অদুনা মহাকনা মহাককী মতিক মগুণ মশক মঙালনা মৈগী, নুমিৎগী অমসুং থামককী মশেক মঙালবু নক্কখলে ॥২২॥ কর্ণনা লক্ষ্য কক্কদবগী থোরকপা অমদি হোৎনরকপা অদু উবদা দ্রৌপদীনা থোঙ্গেল লাওনা হায়রকই—ঐদি সূতগী জাতিদা লৈহৎকপা ওমজরোই। ব্রাসি তাবদা কর্ণনা অশাওবা অমদি করেম্লবা মীনোক্লা ফাক-ফাক নোক্লুনা নুমিৎ লোমদা মুন্না য়েংখৎলমহুনা ফেৎ-ফেৎ হাযরবা লীকং অদু লংথোকখি ॥২৩॥ মতৌ অসুম তৌহনা ক্ষত্রিয়শিং অহনা মায়কৈ মরিমক্তা হন্দোকনখ্রবা তুং অদুদা চেদি লৈবাককী নিংথৌ যমরাজগা মান্ননা কল্লবা অমদি মথৌনা লৈরবা, ব্রাথল চাউরবা, তপলবা অমদি লেমলবা, দমঘোষগী মচানিপা শিশুপালনা তারিবা লীকং অদু লৌখৎতুনা লীরি হাপকে হায়হুনা লীরুং অদু মুকপদা মখুত্তি শোক্লুনা লৈমায় খক্তা তুখি ॥২৪—২৫॥ অদুগী তুংদা কল থৌরবা, মরিল, লৈরবা, নিংথৌ জরাসন্ধনা লীরুং অদুগী মনাক্তা চংশিন্দুনা চীংগী মতৌগুম্না ইলেং লেংদনা লেপ্পুনা লৈখি ॥২৬॥ অদুগী তুংদা লীরুং অদু লৌহুনা লীরি হাপকে তৌবদা লীরুং অদুনা কাপথৎলক্লুনা ফুবদা খুরুখুদক কুন্দুনা তুখি। অদুগী তুংদা মহাক্কি হৌগৎখিতনা সভাদা অমুক চৎলক্লনা চেদি লৈবাক তাগ্গা অদুমক মচৎখ্রে ॥২৭॥ অদুগী তুংদা কল থৌরবা মদ্র নিংথৌ শল্যসু লীরি হাপকে হোৎনেরুবা

তস্মিংস্ত সম্ভ্রান্তজনে সমাজে বিক্ষিপ্তবাদেষু জনাধিপেষু। কুন্তীসুতো জিষ্ণুরিয়েষ কর্ত্তুং সজ্যং ধনুস্তৎ সশরং প্রবীরঃ ॥২৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

স্বয়ম্বরে সর্ব্বরাজপরাঙ্মুখীভবনে অশীত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—(*)—

মথুউশুদুনা তুখি ॥২৮॥ মতম অদুদা স্বয়ম্বর সভাদা লৈরিবা অহক মাম্বা মীশিং অহু তোকম খংদনা ইওক শুকনা য়েংদুনা লৈনখি, নিংথৌশিং অহনা লক্ষ্য কাপ্পদি হায়রুরহ লক্ষ্যগী মখিং ফাওবা পন্নখিদ্রে, মতম অসিমক্তদা কুন্তীগী মচানিপা কল্লবা অর্জ্জুননা লীকং অহদা চংশিন্দুনা লিরি হাপ্ত্না তেঙ্গা থোংগে হায়না খনখি ॥২৯॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা স্বয়ম্বরগী মতাংদা নিংথৌ ময়াম মাইথিবা ফংবা কৌবা চামগা মরিফু শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——০.(*):০——

শ্রীমহাভারতম্

(স্বয়ম্বরগী মনুংদা লক্ষ্য ককপগী ৱারী)

(চামা মরিফুমাথোই শুবা অধ্যায়)

——:(০):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

যদা নিবৃত্তা রাজানো ধনুষঃ সজ্যকর্ম্মণঃ। অথোদতিষ্ঠদ্বিপ্রাণাং মধ্যাজ্জিষ্ণুরুদারধীঃ ॥১॥

উদক্রোশন্ বিপ্রমুখ্যা বিধুন্বন্তোঽজিনানি চ। দৃষ্ট্বা সম্প্রস্থিতং পার্থমিন্দ্রকেতুসমপ্রভম্ ॥২॥

কেচিদাসন্ বিমনসঃ কেচিদাসন্ মুদা যুতাঃ। আহুঃ পরস্পরং কেচিন্নিপুণা বুদ্ধিজীবিনঃ ॥৩॥

যৎ কর্ম্ম শল্যপ্রমুখৈঃ ক্ষত্রিয়ৈর্লোকবিশ্রুতৈঃ। নাসাদিতং বলবদ্ভির্ধনুর্ব্বেদপরায়ণৈঃ ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— নিংথৌশিংনা লীরি হাপপা ফাউবদগী হন্দোকনখ্রবা মতম অতুদা হৈ-শিংলবা অর্জ্জুননা ব্রাহ্মণ মরক্তগী হৌগৎলক্লে ॥১॥ মতম অসিদা ইন্দ্রগী ফিরানগী মতৌগুম্বা ফিরেপ চুমলবা অর্জ্জুননা চংশল্লকপহ উবদা মকোক মকোক ওইবা ব্রাহ্মণশিংনা শজি মউন থাঙ্গৎনরক্তুনা "ভাইখো, ভাইখো!" হায়না পুমনী নীলনা লাওনরকই ॥২॥ কনা অমনা শাওবা য়াওই, কনা অমনা হয়াউবহ য়াওই অহুগা অশিংবা কনা কনাগুম্বশিংনা অঙ্গম হায়না অমগা অমগা ভাংনরকপন্থ য়াওই—ব্রাহ্মণশিং পূম্নমক। পৃথিবীদা কাওরবা মপাঙ্গল কল্লবা, ধনুর্ব্বেদ হৈরবা,

তৎ কথং বক্তৃতামাত্রেণ প্রাণতো দুর্ব্বলীয়সা । বটুমাত্রেণ শক্যং হি সত্যং কর্ত্তুং মহর্ষিণাঃ ॥৫॥
অবহাস্যা ভবিষ্যন্তি ব্রাহ্মণাঃ সর্ব্বরাজসু । কর্ম্মণ্যস্মিন্নসংসিদ্ধে চাপলাদপরীক্ষিতে ॥৬॥
যত্তেষ দর্পাদ্ধর্ষাদ্বাঽপ্যথ ব্রাহ্মণচাপলাৎ । প্রস্থিতোধনুরায়ন্তুং বার্য্যতাং সাধু মা গমৎ ॥৭॥

ব্রাহ্মণা উচুঃ ।

নাবহাস্যা ভবিষ্যামো ন চ লাঘবমাস্থিতাঃ । ন চ বিদ্বিষ্টতাং লোকে গমিষ্যামো মহীক্ষিতাম্ ॥৮॥
কেচিদাহুর্য্বা শ্রীমান্ নাগরাজকরোপমঃ । পীনস্কন্ধোরুবাহুশ্চ ধৈর্য্যেণ হিমবানিব ॥৯॥
সিংহখেলগতিঃ শ্রীমান্ মত্তনাগেন্দ্রবিক্রমঃ । সম্ভাব্যমস্মিন্ কর্ম্মেদমুৎসাহাচ্চানুমীয়তে ॥১০॥
শক্তিরস্য মহোৎসাহা নহ্যশক্তঃ স্বয়ং ব্রজেৎ । ন চ তদ্বিদ্যতে কিঞ্চিৎ কর্ম্ম লোকেষু যদ্ভবেৎ ॥১১॥
ব্রাহ্মণানামসাধ্যঞ্চ নৃষু সংস্থানচারিষু । অব্ভক্ষা বায়ুভক্ষাশ্চ ফলাহারা দৃঢ়ব্রতাঃ ॥১২॥
দুর্ব্বলা অপি বিপ্রা হি বলীয়াংসঃ স্বতেজসা । ব্রাহ্মণো নাবমন্তব্যঃ সদসদ্বা সমাচরন্ ॥১৩॥

শল্যনচিংবা ক্ষত্রিয়শিংনা ভম্নখিদ্রবা থবক অসিবু থুজু খুৎলাইগ্নু হৈত্রবা মশা পাত্রিৎপাববা ব্রাহ্মণ মচা অসিনা করম হায়না লীকংদা লীরি অসি হাপ্লগা :তৌবা ভম্নগদোরিবনো ? ॥৩—৫॥ হৌগৎ-লকইবা নিপা অসে মমাংঙৈদা লক্ষ্য ককপা ককাসি থেংনখ্রিত্রিমাল্লে, অদুগা করিগুম্বা পুক্লিংগী তথক তথক লাওবা অমসুং অপাম্বনা ভমনি ভম্মোই খংদনা চংশিনখ্রিবা অসিনা থবক অসি তৌবা ভমখিদ্রবদা ক্ষত্রিয় নিংথৌ পুম্নমক্কী মফমদা ব্রাহ্মণ হায়বা জাৎ অসি নোকনফম অমদি ইকায়নফম ওইখিবা তারে ॥৬॥ নিপা অসিনা নাপলনা হরাওমনখিবনা অমদি ব্রাহ্মণগী হৌনবা শাওগনবা হম্ভগনবা থুবা অসিগুম্বা পুক্লিংগী তপথবা লৈতবা অদুনা মরম ওইদুনা লীরুং অসি নোপহন্দুনা লীরি হাপকনি হায়না চংখ্রি, মাসিবু নিংথিনা ভাব তানা অমুক্তা থেমজিনবিহো, চংহনখিবা য়াদে ॥৭॥ ব্রাহ্মণশিংনা হায় “জগত্তা ব্রাহ্মণ ওইবা ঐখোয়দি কনাগী মফমদা নোক্লফম উৎশিত্তফম ওইবা য়ারোই অদুগা ইয়াং য়াংনা করিসু লৈতবা জাতি অমসু ওইফম থোক্কে, অদুগা অমুকসু নিংথৌ-শিংগী মফমদা য়েক্লবা সুংঙাইনদফম ওইবসু ভমলোই” ॥৮॥ থরনা অমুক হায়নরকই—নিপা অসে পাখং মথোং কারকপনি, য়াম্নসু জফে, ঐরাবত শামুগী নাতানগুম্না বাংভি অদুগা হিমালয়গী মতৌগুম মপুক য়াম্না তপনা উই, মরেংবান তাবা অনি, মফৈগন অনি অমসুং মপাম্বোম অনি অসি গুম্বোকনা নোয় পেনখ্রে; নোংশাগী মতৌগুম্বা য়েংবদা সুংঙায়বা পোকপা শজৎনি, মপাঙ্গল লৈবা হকচাংনি অদুগা ময়াই কারবা শামুগুম্ব মথৌনা লৈবা ওইনা উরিসে। অদুনা লক্ষ্যসি ককপা ভমখিগত্রা হায়বা থম্নফম অমসু লৈরি, মাসি পুম্নমক অসি মাগী মথৌনা অমদি মরীন অসি উবদগী মখলনরিবনি ॥৯—১০॥ মাগী মশা অসিদা শক্তি অমসুং মপুক্লিংদা হন্দবা অমদি কিদবা গুণ অসি লৈরি, ভম্মোই হায়বা থংলবদি অসিগুম্ব মীশক অসিনা মশামকনা থক চংশিনজরকলম্মোইদবনি। অদুগা থাজৈশেংবা মীওইবগী মরক্তা ব্রাহ্মণ হায়বা অসিগীদি মখোয়না ভম্মোইদবা থবক অমত্তা জগত্তা লৈত্তে। করিনা হায়রবু ব্রাহ্মণ হায়বশিং অসিনা ঈশিংত ওইরবসু, সুংশিত্ত ওইরবসু অদুগা উইহে বাইহৈত্ত ওইরবসু চাদুনা অকনবা তপস্যাগা লোয়ননা যোগ সাধন তৌনরিবনি; অদুনা মশা-

সুখং দুঃখং মহদ্রূপং কর্ম্ম যৎ সমুপাগতম্। জামদগ্ন্যেন রামেণ নির্জ্জিতাঃ ক্ষত্রিয়া যুধি ॥১৪॥
পীতঃ সমুদ্রোঽগস্ত্যেন অগাধো ব্রহ্মতেজসা। তস্মাদ্ ব্রুবন্তু সর্ব্বেঽত্র বটুরেষ ধনুর্হ্ণ্যতাম্ ॥১৫॥
আরোপয়তু শীঘ্রং বৈ তথেত্যূচুর্দ্বিজর্ষভাঃ। এবং তেষাং বিলপতাং বিপ্রাণাং বিবিধা গিরঃ ॥১৬॥
অর্জ্জুনো ধনুষোঽভ্যাসে তস্থৌ গিরিরিবাচলঃ। স তদ্ধনুঃ পরিক্রম্য প্রদক্ষিণমথাকরোৎ ॥১৭॥
প্রণম্য শিরসা দেবমীশানং বরদং প্রভুম্। কৃষ্ণঞ্চ মনসা কৃত্বা জগৃহে চার্জ্জুনো ধনুঃ ॥১৮॥

যৎ পার্থিবৈ রুক্মিসুনীথবক্রৈ রাধেয়দুর্য্যোধনশল্যশাল্বৈঃ। তদা ধনুর্ব্বেদপরৈর্নৃসিংহৈঃ কৃতং ন সজ্যং মহতোঽপি যত্নাৎ ॥১৯॥

তদর্জ্জুনো বীর্য্যবতাং সদর্পস্তদৈন্দ্রিরিন্দ্রাবরজপ্রভাবঃ। সজ্যঞ্চ চক্রে নিমিষান্তরেণ শরাংশ্চ জগ্রাহ দশার্দ্ধসংখ্যান্ ॥২০॥

বিব্যাধ লক্ষ্যং নিপপাত তচ্চ ছিদ্রেণ ভূমৌ সহসাতিবিদ্ধম্।
ততোঽন্তরীক্ষে চ বভূব নাদঃ সমাজমধ্যে চ মহান্ নিনাদঃ।
পুষ্পাণি দিব্যানি ববর্ষ দেবঃ পার্থস্য মূর্দ্ধ্নি দ্বিষতাং নিহন্তুঃ ॥২১॥

মউ পাম্বরস্থ শোল্লবস্থ যোগগী শক্তিদনা য়াম্না মপাঙ্গল কল্লিবনি। মসিগী খুদমদি—পরশুরাম মথস্তনা লানফমদা ক্ষত্রিয় নিংথৌশিংবু জয় তৌথি। ময়ম অহুনা অম্বাবা পিবা, হুংঙাইবা পোকপা, অচৌ-অপীক, অচুম-চুমদা করিগুম্বা অমবু ওইরবস্থ ব্রাহ্মণনা তৌবা থবক্তা হাম্না হেক উশিংথওইদবসে চুমদে ॥১১—১৪॥ তৌভমদবা থবকপু ব্রাহ্মণশিংনা তৌথিবগী খুদম য়ামনা লৈরি—ব্রাহ্মণ আগস্ত্য মুনিনা মশাগী ব্রহ্মতেজনা মপাম নাইত্রবা সমুদ্রগী ঈশিংবু থুজোক অমতদা থকখি। অতুনা ময়াম পুম্নমক্না অসুম হায়না হায়বিয়ু—নিপাসে মশা-মউ নোয় পেন্দ্রবস্থ ব্রহ্মতেজনা অচৌবা অকনবা হায়বতু ওইরি, অহনা থুনয়াংনা লীরুং তাম্না চংশিনহনখিম্বনা লীরি হাপ্না ওম্বা ওইসি। অসুম তৌদুনা ব্রাহ্মণশিংগী মরক্তা অমনা অমা হায় অমনা অমা হায়দুনা পুমনীলমীম্নখি ॥১৫—১৬॥ মতম অদুদা অর্জ্জুননা লীরুং অদুগী মনাক্তা চংশিনখিদুনা ওহাক্তুং চীংগী মতৌগুম্না লেপ্লুনা লৈখি অহাক লৈরগা লীরুং অদুবু য়েংলোইননা কোয় ॥১৭॥ অদুগী তুংদা মকোক নোন্দুনা জগৎকী ঈশ্বর, বর পিনহৈবা অমসুং জগৎ পূর্ণমক নিয়ম তৌরিবা শ্রীকৃষ্ণবু মপূক্নিংদা ধ্যান তৌদুনা খুৎনলগা লীরুং অদু পায়খৎখি ॥১৮॥

মাংলা, রুক্মী, সুনীথ, বক্র, রাধেয়, দুর্য্যোধন, শল্য অমসুং শাল্বনচিংবা ধনুর্ব্বেদদা পুক্নিং চংলবা অমদি অথোই অথোইবা মিংথৌ কয়ানা কম কম্না হোৎনদুনসু লীরি হাপ্না কাওবা ঙমখিদবা লীরুংনি ॥১৯॥ মথৌনা মপাঙ্গল লৈরবা, বিষ্ণুগা মাননা মথৌনা লৈবা ইন্দ্রগী মচা অর্জ্জুননা কননা থৌরবাশিং অদুগী মমাংদা, মিৎকুপ অমগী মতুংদা লীরুং অদু লীরি হাপখি অমসুং তেন মঙা অদু লৌখৎলি ॥২০॥ মতুং অদুদা লক্ষ্য অদু কাপখি; খুদক অদুদা লক্ষ্য অদুগী মনাক্তা লৈদুনা লৈরিবা যন্ত্র অদুগী মথুন্দা শিংশিনখিদুনা তেন অদুনা পাদুনা লক্ষ্য অদু লৈমায়থক্তা তাখি; মতম অদুদা আকাশদা লাইরেম শিদিকি মখুৎলা অহৌসা সভা অহদা অত্যাশিং অহুমী মরক্তা পুক্নীল নীম্নখি অমসুং লোংনতলী লেখতাশিংনা য়েম্বা থম্বা অর্জ্জুনগী মকক্তা লৈরি লৈতনা থুজোক থুজোক

চেলানি বিব্যধুস্তত্র ব্রাহ্মণাশ্চ সহস্রশঃ। বিলক্ষিতাস্ততশ্চক্রুর্হাহাকারাংশ্চ সর্ব্বশঃ ॥২২॥
ন্যপতংশ্চাত্র নভসঃ সমন্তাৎ পুষ্পবৃষ্টয়ঃ। শতাঙ্গানি চ তূর্য্যাণি বাদকাঃ সমবাদয়ন্।
সূতমাগধসংঘাশ্চাপ্যস্তুবংস্তত্র সুস্বরাঃ ॥২৩॥
তং দৃষ্ট্বা দ্রুপদঃ প্রীতো বভূব রিপুসূদনঃ। সহ সৈন্যৈশ্চ পার্থস্য সাহায্যার্থমিয়েষ সঃ ॥২৪॥
তস্মিংস্তু শব্দে মহতি প্রবৃদ্ধে যুধিষ্ঠিরো ধর্ম্মভৃতাং বরিষ্ঠঃ।
আবাসমেবোপজগাম শীঘ্রং সার্দ্ধং যমাভ্যাং পুরুষোত্তমাভ্যাম্ ॥২৫॥
বিদ্ধন্তু লক্ষ্যং প্রসমীক্ষ্য কৃষ্ণা পার্থঞ্চ শক্রপ্রতিমং নিরীক্ষ্য।
স্বভ্যস্তরূপাপি নবেব নিত্যং বিনাপি হাসং হসতীব কন্যা ॥২৬॥
মদাদৃতেঽপি স্খলতীব ভাবৈর্ব্বাচা বিনা ব্যাহরতীব দৃষ্ট্যা।
আদায় শুক্লং বরমাল্যদাম জগাম কুন্তীসুতমুৎস্ময়ন্তী ॥২৭॥
গত্বা চ পশ্চাৎ প্রসমীক্ষ্য কৃষ্ণা পার্থস্য বক্ষস্যবিশঙ্কমানা।
ক্ষিপ্ত্বা স্রজং পার্থিববীরমধ্যে বরায় বব্রে দ্বিজসংঘমধ্যে ॥২৮॥
শচীব দেবেন্দ্রমথাগ্নিদেবং স্বাহেব লক্ষ্মীশ্চ যথা মুকুন্দম্।
উষেব সূর্য্যং মদনং রতীব মহেশ্বরং পর্ব্বতরাজপুত্রী ॥২৯॥

থখি ॥২১॥ মতম অদুদা ব্রাহ্মণ লিশিং লিশিংনা মাগী মাগী ইনফী মচি থাংগৎনরক্কনা হাইর হাইরদুনা অর্জ্জুন লোমদা পুক্লিং থৌগৎপগী থোল্লাওনা লাওনরক্লে, অদুগা নিংথৌশিং অদুনা ইকায়রদুনা মাথকৈ মরিগক্রুগী হাহাকার লাওনরক্লে ॥২২॥ মতমসিমক্তদা নোংমদোন্দগী লৈগী নোং চুথখি, পুং ঈশৈ তৌবা মীশিংনা অমদি যন্ত্র খোংব মীশিংনা মথল মথা অযাম্বা পুং যন্ত্রনচিংবা য়েনরক্লে, খোংনরক্লে, সূত অমসুং মাগধশিংনা স্তুতি পাঠ তৌনরক্লে ॥২৩॥ যেক্লবা ওয়বা দ্রুপদ নিংথৌনা অর্জ্জুনবু উবদা থোইদোক্লা হরাওখি, লাম্মী তেঙ্গোল ময়াম্না মহাক্কী মতেং পাংগে হায়না খনখি ॥২৪॥ ময়ামগী খোঙ্গেল অদুনা অসুম হেন্ন হেন্ন হৌন লাওশিন্নরক্লবদা ধর্ম্ম চেল্লবা যুধিষ্ঠিরদি নকুল সহদেবগা লোয়ননা য়ুমথুংফম লৈকম তান্ন তুমিন্ন থুন-যাংনা চৎখি ॥২৫॥ লক্ষ্য অদু ককখে, হায়বদু উবদা, অদুগা লক্ষ্য কক্লিবা অর্জ্জুনগী কনব-হৈব অমসুং মশক্ত ইন্দ্রগা অন্না ওইবদু উবদা, ফজব কয়া উথুবী দ্রৌপদীনা তাইবং মীগী মিৎনা করিগুম্বা মতমদা অমুক্ত উথিদ্রিবা ইনৌ নৌবা শক ওইনা উখি, নোকত্রবদু মুংঙাইবনা নোকপগুম তৌখি ॥২৬॥ দ্রৌপদীনা হরাও মুংঙাইবত নত্তনা মপাম্পোংদা শাওং শাথেক্কনা থম্মোয়গী ভাবপু ফোংদোক্লম্মি, ৱাহৈনা হায়দোক্ত্রবদু মিৎয়েংতনা করিগুম্বা অম হায়নীংবগুম তৌই, মতৌ অসুমনা দ্রৌপদীনা ঙৌরবা বরমাল্য অদু থুং অনিনা পায়দুনা মোমোন নোক্তনা অর্জ্জুনগী মনাক্ত তপ্না তপনা চংশিনখিদুনা মঙ্গল ওইবা মুংশিবগী মিৎয়েংনা য়েংদুনা পুক্লিংদা করিমতা চিংনবা হাংগোইব লৈতনা নিংথৌশিং ব্রাহ্মণশিং ময়াম অদুগী মমাংদা অর্জ্জুনগী ভুকশমদা বরমাল্য অদু হুক্কনা অর্জ্জুনবু মপুরোয়ব ওইনা লৌখি ॥২৮॥ মমাংতৈদা শচীনা দেবরাজ ইন্দ্রবু, স্বাহানা অগ্নি দেবতাবু, লক্ষ্মীনা নারায়নবু উষানা সুমিৎপু, রতিনা কামদেববু অদুগা পাৰবতীনা মহাদেবৰু মপুরোয়বা

স তাম্রূপাদায় বিজিত্য রঙ্গে দ্বিজাতিভির্বৈঃরভিপূজ্যমানঃ।
রঙ্গান্নিরক্রামদচিন্ত্যকর্ম্মা পত্ন্যা তয়া চাপ্যনুগম্যমানঃ ।।৩০

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
স্বয়ম্বরে লক্ষ্যচ্ছেদনে একাশীত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।।০।।

——০:(০):০——

ওইনা থনখিবা অক্তগুম্বা দ্রৌপদীনা অর্জ্জুনবু মপুরোয়বা ওইনা খল্লখি ।।২৯।। মতম অতুনা ব্রাহ্মণশিংনা স্বয়ম্বর সভাদা ওস্ব মাইপাকপা ফংলবা, তৌওঙ্গলবা থনফম্ব থোক্তবা কর্ম্মবু তৌরবা অর্জ্জুনগী মতিক মগুণ তৌবাওম্বা পুন্নমক থাগৎনরিঙৈ মতমসিদা অর্জ্জুননা দ্রৌপদীবু পুন্থনা সভা মাগুপ ময়াইদগী থোকখি, দ্রৌপদীনা অর্জ্জুনগী মতুং ইন্ন ইন্ন চৎখি ।।৩০।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চাক্তনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা স্বয়ম্বরগী মনুংদা লক্ষ্য ককপগী চামগা মরিফু মাথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ।।০।।

——.(০):——

শ্রীমহাভারতম্।

(কৃষ্ণনা বলবামদা হ্বা হায়বা)

(চামা মরিফুনিথোই শুবা অধ্যায়)

——:(০):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তস্মৈ দিৎসতি কন্যান্তু ব্রাহ্মণায় তদা নৃপে। কোপ আসীম্মহীপানামালোক্যান্যোন্যমন্তিকাৎ ।।১।।
অস্মানয়মতিক্রম্য তৃণীকৃত্য চ সঙ্গতান্। দাতুমিচ্ছতি বিপ্রায় দ্রৌপদীং যোষিতাং বরাম্ ।।২।।
অবরোপ্যেহ বৃক্ষস্ব ফলকালে নিপাত্যতে। নিহন্মৈনং দুরাত্মানং যোঽস্মানস্মান মন্যতে ।।৩।।
নহ্যর্হত্যেষ সম্মানং নাপি বৃদ্ধক্রমং গুণৈঃ। হন্মৈনং সহ পুত্রেণ দুরাচারং নৃপদ্বিষম্ ।।৪।।

বৈশম্পায়ননা হায়— নিংথৌ দ্রুপদনা মচানুপী কন্যা দ্রৌপদীবু ব্রাহ্মণগী মশক লৌন্থনা কৈরিবা অর্জ্জুনদা দান তৌগে হায়না থল্লকপা মতমদা মনাক্ত কৈরিবা নিংথৌশিং অমনা অমগা অমগা য়েংনত্থনা শাওনরক্লে ।।১।। মথোয়না অমুম ঙাংনেরকই "ঐথোয় পুন্নমক কৈরি, অসিমক্তনা, দ্রুপদনা ঐথোয় মরামসিবু নাপিগুম উহনা অমুক নীংথিজরবী দ্রৌপদীশিবু ঐথোয় কৈন কৈন ব্রাহ্মণ অমদী মথুত্তা পীগে থৌগ্নি" ।।২।। উপান্বী চারাবু মালা থারগা মরৈ মাচানাই মতমসিদা মনানা মথুৎনরা থুদেক্তনা মাংহনজরে। মরম অমনা মপুকচেল কক্তবসিনা ঐথোয় অমুক মাথু উশিং-থৌরবিনিদা মহাকপু ঐথোয়না হেক্ত হাৎলগা লোইরে ।।৩।। মাগী মগুণ অমদি অমল ওইবনা দ্বিব অদি

অহং হি সর্ব্বানাহূয় সংকৃত্য চ নরাধিপান্। গুণবত্তোহধিষাহং তক্তঃ পশ্চান্ন মন্ততে ॥৫॥
অস্মিন্ রাজসমাবায়ে দেবানামিব সন্নয়ে। কিমহং সদৃশং কঞ্চিন্নৃপতিং নৈব দৃষ্টবান্ ॥৬॥
ন চ বিপ্রেষ্বধীকারো বিদ্যতে বরণং প্রতি। স্বয়ম্বরঃ ক্ষত্রিয়াণামিতীয়ং প্রথিতা শ্রুতিঃ ॥৭॥
অথবা যদি কন্যেয়ং ন চ কঞ্চিদ্ বুভূষতি। অগ্নাবেনাং পরিক্ষিপ্য যাম রাষ্ট্রাণি পার্থিবাঃ ॥৮॥
ব্রাহ্মণো যদি চাপল্যাল্লোভাদ্বা কৃতবানিদম্। বিপ্রিয়ং পার্থিবেন্দ্রাণাং নৈষ বধ্যঃ কথঞ্চন ॥৯॥
ব্রাহ্মণার্থং হি নো রাজ্যং জীবিতঞ্চ বসূনি চ। পুত্রপৌত্রঞ্চ যচ্চান্যদস্মাকং বিদ্যতে ধনম্ ॥১০॥
অবমানভয়াচ্চৈব স্বধর্ম্মস্য চ রক্ষণাৎ। স্বয়ম্বরাণামন্যেষাং মা ভূদেবংবিধা গতিঃ ॥১১॥
ইত্যুক্ত্বা রাজশার্দ্দূলা হৃষ্টাঃ পরিঘবাহবঃ। দ্রুপদন্তু জিঘাংসন্তঃ সায়ুধাঃ সমুপাদ্রবন্ ॥১২॥
তান্ গৃহীতশরাবাপান্ ক্রুদ্ধানাপততো বহূন্। দ্রুপদো বীক্ষ্য সন্ত্রাসাদ্ ব্রাহ্মণান্ শরণং গতঃ ॥১৩॥
ন ভয়াদাপি কার্পণ্যান্ন প্রাণপরিরক্ষণাৎ। জগাম দ্রুপদো বিপ্রান্ শমার্থী প্রত্যপদ্যত ॥১৪॥
বেগেনাপততস্তাংস্তু প্রভিন্নানিব বারণান্। পাণ্ডুপুত্রৌ মহেষ্বাসৌ প্রতিযাতাবরিন্দমৌ ॥১৫॥

পুন্নমক্কী মমায় য়েংব যাদ্রে। অদুনা ঐখোয় ময়াম চংদুনা হৌনবা থংদ্রবা, নিংথৌ পুম্বগী য়েকনবা ওইরবা পাপী দ্রুপদবু মচা অসিগা লোয়ননা হেক্র হাংলগা লোইয়ে ॥৪॥ হৌনব থংদবা অসিনা নিংথৌ ঐখোয় পুমনমকপু কৌরে হায়রগা অত্তগা অহাও অথুম থর পিজশিন্নরগা ঐখোয়বু খৌওইনবা শাবী। ॥৫॥ লাইগী মতৌগুম্বা যজরবা নিংথৌ ঐখোয় পুম্নমক অসিগী মনুংদা মচা মুপীগী দমক মতিক চাংরবা বর অমা ফাওবা উবা ফংখিদ্রবা। ॥৬॥ অসিগী মথক্তা ক্ষত্রিয় কন্যা অমাগী স্বয়ম্বরদা ব্রাহ্মণ অমনা বর ওইনা চংলকপগী অধিকারসু লৈত্তে। করিনা হাযববু "স্বয়ম্বর হায়বা বিবাহ মত্তৌ অসি ক্ষত্রিয়শিংগী দমক্তনি" অসুম হাযনা জগত্তা কাওদুনা থংনদুনা লৈরিবনি ॥৭॥ অমরোমদা হায়রগা মচা মুপীনি হায়দুনা তৌরিবা অসিসু ঐখোয়গী মনুংদা কনাগুম্বা নিংথৌ অমাবুসু পামদ্রি, অদুনদি মসিবুসু মৈমুংসিদা লংশিন্নগা ঐগী ঐগী লৈবাক্তা হমথ্রসি ॥৮॥ অদুগা ব্রাহ্মণ অসিদি ব্রাহ্মণগী হৌনবা পুক্নিং ইচোই চোইবা অমসুং পামগনবা হায়বা ভদুনা মরম ওইদুনা ক্ষত্রিয় নিংথৌ ঐখোয়না য়ানিংদবা থবক ভৌরবসু হাৎপদি হৌনদে ॥৯॥ করিনা হায়রবু ঐখোয়গী হেক লৈরিবা লৈবাক, পুন্সি, [illegible] থুম ইচা-ইগু পূমনমক অসি ব্রাহ্মণগী দমক্তনি ॥১০॥

অদুনদি ঐখোয় পুম্নমকপু উশিং থওইনবা চোগহনবা অসিদগী অমসুং নিংথৌ ঐখোয়গী ভৌগদনা ইথৌ অর্থদি ধর্ম্মগী মতুংইন্না দ্রুপদ অসিবু শোয়নবা হাত্তোক্লদি। মরমদি অতোপ অতোপ্পা স্বয়ম্বরদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক থোরক্তনবা তৌবা ভক্তি ॥১১॥ অসুম হায়দুনা কুশিংকী মতৌগুম্না কজবা পাথোকনা মথোয়গী ওইবা নিংথৌশিং অদুনা খুজু খুৎলায় পুম্নমক পায়খত্তুনা অকিবা [illegible] হয়াউনা দ্রুপদবু হাৎকে হায়দুনা চেৎশিনরক্রে ॥১২॥ মথোয়না অপাওবগা লোয়ননা [illegible] [illegible] খুৎথংবচিংবা হাপকত্তুনা চেৎশিনরকপা অদু উবদা দ্রুপদনা [illegible] ব্রাহ্মণশিংগী [illegible] ॥১৩॥ অদুবদি ওইবনা দ্রুপদ নিংথৌনা কিবনা শোমবনা অনদি মথৎবাই হিংনিংবনা ব্রাহ্মণশিংগী মকনা [illegible] [illegible], তুমগী মথোয় মরাপনা হৌরকইবা অদু থামজিনবগীদমক্তনি ॥১৪॥ [illegible] [illegible] [illegible] কারবা [illegible] নিংথৌশিংনা চৎশিনরকপা য়েকনবা [illegible] [illegible] [illegible]

ততঃ সমুৎপেতুরুদায়ুধাস্তে মহীক্ষিতো বদ্ধতলাঙ্গুলিত্রাঃ। জিঘাংসমানাঃ কুরুরাজপুত্রাবমর্ষয়ন্তোঽর্জ্জুনভীমসেনৌ ॥১৬॥

ততস্তু ভীমোঽদ্ভুতভীমকর্ম্মা মহাবলো বজ্রসমানসারঃ।
উৎপাট্য দোর্ভ্যাং দ্রুমমেকবীরো নিষ্পত্রয়ামাস যথা গজেন্দ্রঃ ॥১৭॥
তং বৃক্ষমাদায় রিপুপ্রমাথী দণ্ডীব দণ্ডং পিতৃরাজ উগ্রম্।
তস্থৌ সমীপে পুরুষর্ষভস্য পার্থস্য পার্থঃ পৃথুদীর্ঘবাহুঃ ॥১৮॥
তৎ প্রেক্ষ্য কর্ম্মাতিমনুষ্যবুদ্ধির্জিষ্ণুঃ স হি ভ্রাতুরচিন্ত্যকর্ম্মা।
বিসিস্মিয়ে চাপি ভয়ং বিহায় তস্থৌ ধনুর্গৃহ্য মহেন্দ্রকর্ম্মা ॥১৯॥
তৎ প্রেক্ষ্য কর্ম্মাতিমনুষ্যবুদ্ধির্জিষ্ণোঃ সহভ্রাতুরচিন্ত্যকর্ম্মা।
দামোদরো ভ্রাতরমুগ্রবীর্য্যং হলায়ুধং বাক্যমিদং বভাষে ॥২০॥
য এষ সিংহর্ষভখেলগামী মহদ্ধনুঃ কর্ষতি তালমাত্রম্।
এষোঽর্জ্জুনো নাত্র বিচার্য্যমস্তি যদ্যস্মি সঙ্কর্ষণ! বাসুদেবঃ ॥২১॥
যস্ত্বেষ বৃক্ষং তরসাঽবভজ্য রাজ্ঞাং নিকারে সহসা প্রবৃত্তঃ।
বৃকোদরান্নান্য ইহৈতদদ্য কর্ত্তুং সমর্থঃ সমরে পৃথিব্যাম্ ॥২২॥

ভীম অমসুং অর্জ্জুন অনিনা হৌগৎলক্লুনা নিংথৌশিং অদুগী মমাংদা লেপ্লুনা মায়থোক য়াখি ॥১৫॥ অদুগী তুংদা খুৎখাংনচিংবা লালগী হৌনবী পুম্নমক শেম শাবদুনা নিংথৌশিং অদুনা য়ামনা শাওনা খুৎলাই পায়থৎলদুনা ভীম অর্জ্জুনবু হাৎকে হায়দুনা চেনশিল্লক্লে ॥১৬॥ মপা নৈতনা কল্লবা বজ্রগা মান্নবা উইরবা হকচাংনা মহাক্কী ওইবা, মীথোই মীহেন্না কল্লবা, গুক্লবা—তৌভমদবা থবক্তা তৌরবা ভীমনা চেম্থোকখিদুনা উপাম্বী অমা ফুকলুহনা শামুনা তৌবগুম্না উ অদুবু মনা মশা পুম্নমক শিৎথখি ॥১৭॥

য়েকনবা গুম্নবা মপাম্বোম শাংলবা কল্লবা ভীমনা উপাম্বী অদু থাঙ্গত্নুনা অকিবা ফংলবা দণ্ড পায়বা যমরাজগী মতৌগুম অর্জ্জুনগী নাক্তা লেপ্লুনা লৈখি ॥১৮॥ মীওইবগী বুদ্ধিদগী হেনদোক্লবা অমসুং খল্লুবা ফাওবা ঙম্মফদ্রবা থবক তৌরবা অর্জ্জুনসু ময়াম্বগী মতৌ অদু উবদা অকিবা পুম্নমক থাদোক্লুনা অঙকপা ফংনা লৈখি অমসুং লীকং পায়দুনা ইন্দ্রগী মতৌগুম লেপ্লুনা লৈখি ॥১৯॥ মতম অদুদা খব্রাইগা মান্নদনা শীংলবা অমসুং তাইবং মীনা খনবদা লাম্বা ফংদ্রবা থবক্তা তৌরবা শ্রীকৃষ্ণনা ভীমগা লোয়নননা লেপ্লুনা লৈরিবা অর্জ্জুনগী মথৌনা অদু উবদা অকিবা ফংনা কল্লবা ময়াম্বুং বলরামদা হ্রাসি হায়খি ॥২০॥ য়াম্বুং, সঙ্কর্ষণ! নোংশা অমসুং ষণ্ডাবগী মতৌগুম্বা শাজৎনা মাগী ওইবা, কোনা পাম্বীগী মতৌগুমনা লীংলবা অমদি চাউরবা লীরুং পাররিবা নিপা অসে অর্জ্জুন হায়বদুনি; ঐনা বসুদেবগা পোকপা অশেংবা মক্তা ওইরবদি ঐনা হায়রিবসি করিমতা চিংনবা নৈতনা অচুম্বা ওইগনি ॥২১॥ অদুগা মপাজলতনা উজাউ অমা ফুকলুহনা তিল্লিবা অস্নক য়াম্বা নিংথৌশিং অসিবু মায়খিবা পিগনি হায়দুনা চংলকইবা নিপা অসি ভীম সেন ওইবা শোয়দ্রবনি। করিনা হায়ববু ভীম নত্তনা পৃথিবিগী মফুংদা কনা অমতনা অসিগুম্বা

যোঽসৌ পুরস্তাৎ কমলায়তাক্ষো মহাতনুঃ সিংহগতির্বিনীতঃ।
গৌরঃ প্রলম্বোজ্জ্বলচারুঘোণোবিনিঃসৃতঃ সোঽপ্যুত ধর্ম্মপুত্রঃ ॥২৩॥
যৌ তৌ কুমারাবিব কার্ত্তিকেয়ৌ দ্বাবাশ্বিনেয়াবিতি মে বিতর্কঃ।
মুক্তা হি তস্মাজ্জতুবেশ্মদাহান্ময়া শ্রুতাঃ পাণ্ডুসুতাঃ পৃথা চ ॥২৪॥
তমব্রবীন্নির্জলতোয়দাভো হলায়ুধোঽনন্তরজং প্রতীতঃ।
প্রীতোঽস্মি দিষ্ট্যা হি পিতৃষ্বসা নঃ পৃথা বিমুক্তা সহ কৌরবাগ্র্যৈঃ ॥২৫॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
স্বয়ম্বরে কৃষ্ণবাক্যে দ্ব্যশীত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(•):—

থবক অসি তৌবা ঙমলোই ॥২২॥ অদুগা থবক অসি থোক্লিঘৈদা ছাল্লা মথোয়গী মরক্তগী হৌংগত্না চৎখিবা, মহাক্কী মমিৎ অনিনা থম্বাল মনাগী মতৌগুন্না শাংলপ তানা হুইথবা, মশা মউ ফবা নোংশাগী শাজৎ মানবা, লমচৎ বাবহারদা নোল্লুকপা, কুচুনা ভৌরোক ঙৈবা মনাতেন ঋাংনা শাংবা অমদি প্তুরিং চুনবগী মশক ওইবা নিপা অদুনা ধর্ম্মগী মচানিপা যুধিষ্ঠির হায়বা অদনি ॥২৩॥ মাগী তুংদা লাইগী সেনাপতি কার্ত্তিক অনিগী মতৌগুম নিংথিজরবা পাথং অনি অদুনা নকুল অমদি সহদেব হাযবছনি হায়বসি ঐগী লেংদ্রবা ঋাখল্লি। মরমদি কুন্তী দেবীনা মচা পাণ্ডব মঙাগা লোয়ননা চাশং মৈ চাকপদগী নাম্বোক্ত্না চেনখ্রবনি হায়বসি ঐনা মুল্লা তারে ॥২৪॥ ঈশিংগী শকক য়াওদ্রবা ভৌরবা কুচুনা মাগী ওইরবা বলরামনা ঋাসি তাবদা মুংঙায়খ্রনা মনাও কৃষ্ণগী মফমদা ঋাসি হাযখি—য়াম্না মুংঙায়রে ঐখোয়গী ইনেম কুন্তী দেবীগী মচাশিং কৌরবগী অথোইবা যুধিষ্ঠিরনচিংবনা লাইবক ফবনা মৈসুংদগী হিংখ্রে হায়বসি তাবদা ঐ য়াম্না মুংঙায়রে ॥২৫॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা স্বয়ম্বরগী মতাংদা কৃষ্ণনা ঋলবামদা ঋা হায়বা কৌবা চামগা মরিফুনিথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

(পাণ্ডুশিংনা কুমদা হল্লকপগী মতাং)

(চোম মরিফুহুমদোই শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

অজিনানি বিধুন্বন্তঃ করকাংশ্চ দ্বিজর্ষভাঃ। উচুস্তে ভীর্ন কর্ত্তব্যা বয়ং যোংস্যামহে পরান্ ॥১॥
তানেবং বদতো বিপ্রানর্জ্জুনঃ প্রহসন্নিব। উবাচ প্রেক্ষকা ভূত্বা যুয়ং তিষ্ঠত পার্শ্বতঃ ॥ ২ ॥
অহমনানজিহ্মাগ্রৈঃ শতশো বিকিরন্ শরৈঃ। বারয়িষ্যামি সংক্রুদ্ধান্ মন্ত্রৈরাশীবিষানিব ॥ ৩ ॥
ইত্যুক্ত্বা ধনুরাদায় শুল্কাবাপ্তং মহাবলঃ। ভ্রাত্রা ভীমেন সহিতস্তস্থৌ গিরিরিবাচলঃ ॥ ৪ ॥
ততঃ কর্ণমুখান্ দৃষ্ট্বা ক্ষত্রিয়ান্ যুদ্ধদুর্ম্মদান্। সম্পেততুরভীতৌ তৌ গজৌ প্রতিগজানিব ॥ ৫ ॥
উচুশ্চ বাচঃ পরুষাস্তে রাজানো যুযুৎসবঃ। আহবে হি দ্বিজস্যাপি বধো দৃষ্টো যুযুৎসতঃ ॥ ৬ ॥
ইত্যেবমুক্ত্বা রাজান সহসা দুদ্রুবুর্দ্বিজান্। ততঃ কর্ণো মহাতেজা জিষ্ণুং প্রতি যযৌ রণে ॥৭॥
যুদ্ধার্থী বাসিতাহেতোর্গজঃ প্রতিগজং যথা। ভীমসেনং যযৌ শল্যো মদ্রাণামীশ্বরো বলী ॥ ৮ ॥
দুর্যোধনাদয়ঃ সর্ব্বে ব্রাহ্মণৈঃ সহ সঙ্গতাঃ। মৃদুপূর্ব্বমযত্নেন প্রত্যযুধ্যন্ত দাহবে ॥ ৯ ॥

বৈশম্পায়ননা হাযখি— ব্রাহ্মণশিং অহনা শজি মউন অমসুং যুবী থুক্সাই থঙ্গংলক্তুনা অর্জ্জুনদা হায়রকই— নহাক করিমতা কিগনু, ঐখোয়না যেক্লবশিংগা লান থেংনগনি ॥১॥ ব্রাহ্মণশিংনা অসুম হায়রকপা অসিদা অর্জ্জুননা নোক্তুনা খুমলকই— ময়াম পুম্নমক ভাবক ওইহনা নাকল অমদা থৈদোক্তুনা লৈবিয়ু ॥২॥ মন্ত্রনা লিলবু শুঙ্কাংপাগুম্না ঐনা চুমলবা অমদি থোরবা তেন চাম চামনা অপাওবনা মৈ হোৱবা নিংথৌশিং অসিবু থিংজগনি ॥৩॥ অসুম হায়তুনা মপাঙ্গল কল্লবা অর্জ্জুননা ময়ামগী পাঙ্গলগী চাংয়েংনবগী পোস্থানফম ওইরবা লীরুং অছু পায়থতুনা ভীমগা লোয়ননা চীংগী মত্তৌগুমনা লেংদনা লেপ্তুনা লৈখি ॥৪॥ অদুগী তুংদা শামু অনিনা যেক্লবা শামু মপেগী মকমদা চেনশিনখিবগুম ভীম অর্জ্জুন অনিনা লালদা হৈশিংলবা কর্ণনাচিংবা অকনবা ক্ষত্রিয়শিংগী মকমদা মুম্না য়েংহুনা অকিবা লৈতনা চেনশিনখ্রে ॥৫॥ মতম অহদা লাল পামলবা নিংথৌশিংনা তমখিরবা ঘ্বাহৈনা হায়রকই— ময়াম তাবিয়ু। মশানা লান পামদুনা চংলক্লবদি ব্রাহ্মণ কাওবা হাৎনবা উই; দোষ লৈতে ॥৬॥ অসুম হায়দুনা নিংথৌশিংনা ব্রাহ্মণশিংগী মায়কৈদা চেনশিনলক্রে ॥৭॥ শামু অমোম অমগী হাক্লক্তগী ময়াই কারবা শামু অমনা শামু অমগী মকমদা ফুজিন্নকপগুম মদ্র নিংথৌ মপাঙ্গল কল্লবা শল্যনা ভীমগী মকমদা চেনশিনলক্রে ॥৮॥ অদুগা দুর্যোধননচিংবা অতোপ অতোপ্পা নিংথৌশিংনা অতৈ ব্রাহ্মণশিং অদুগা খোইদোক্না থৌশাদনা তপ্ন তপ্না শোক্লখি ॥৯॥ অদুগী তুংদা পুকনিং চনবগী

ততোঽর্জ্জুনঃ প্রত্যাবিধ্যাপতন্তং শিতৈঃ শরৈঃ। কর্ণং বৈকর্ত্তনং শ্রীমান্ বিকৃষ্য বলবদ্ধনুঃ ॥১০॥
তেষাং শরাণাং বেগেন শিতানাং তিগ্মতেজসাম্। বিমুহ্যমানো রাধেয়ো যত্নাত্তমনুধাবতি ॥ ১১ ॥
তাবুভাবপ্যনির্দ্দেশ্যৌ লাঘবাজ্জয়তাং বরৌ। অযুধ্যেতাং সুসংরব্ধাবন্যোন্যজয়কাঙ্ক্ষিণৌ ॥১২॥
পশ্যস্ব প্রতিকৃতং পশ্য পশ্য বাহুবলঞ্চ মে। ইতি শূরার্থবচনৈরভাষেতাং পরস্পরম্ ॥ ১৩ ॥
ততোঽর্জ্জুনস্য ভুজয়োর্বীর্য্যমপ্রতিমং ভুবি। জ্ঞাত্বা বৈকর্ত্তনঃ কর্ণঃ সংরব্ধঃ সমযোধয়ৎ ॥ ১৪ ॥
অর্জ্জুনেন প্রযুক্তাংস্তান্ বাণান্ বেগবতস্তদা। প্রতিহত্য ননাদোচ্চৈঃ সৈন্যানি তমপূজয়ন্ ॥ ১৫ ॥

কর্ণ উবাচ।

তুষ্যামি তে বিপ্রমুখ্য! ভুজবীর্য্যস্য সংযুগে। অবিষাদস্য চৈবাস্য শস্ত্রাস্ত্রবিজয়স্য চ ॥ ১৬ ॥
কিং ত্বং সাক্ষাদ্ধনুর্ব্বেদো রামো বা বিপ্রসত্তম!। অথ সাক্ষাদ্ধরিহয়ঃ সাক্ষাদ্বা বিষ্ণুরচ্যুতঃ ॥ ১৭ ॥
আত্মপ্রচ্ছাদনার্থং বৈ বাহুবীর্য্যমুপাশ্রিতঃ। বিপ্ররূপং বিধায়েদং মন্যে মাং প্রতিযুধ্যসে ॥১৮॥
নহি মামাহবে ক্রুদ্ধমন্যঃ সাক্ষাচ্ছচীপতেঃ। পুমান্ যোধয়িতুং শক্তঃ পাণ্ডবাদ্বা কিরীটিনঃ ॥ ১৯ ॥
তমেবংবাদিনং তত্র ফাল্গুনঃ প্রত্যভাষত। নাস্মি কর্ণ! ধনুর্ব্বেদো নাস্মি রামঃ প্রতাপবান্ ॥২০॥

মশক ওইরবা অর্জ্জুননা কল্লবা লীকং অদু লীরি হাপ্তুনা তেঙ্গা থোংহনা থৌরবা তেল্লা মাংদা লেপলিবা কর্ণদা থাখি ॥১০॥ থৌরবা তুমলবা তেনশিংগী পাইশিল্লকপা অমদি থাবগী চৈনাখোল অদু উবদা অমদি ফাওবদা ওক্লবা অমদি শুক্লাংলবা কর্ণনা অর্জ্জুনগী মায়কৈরোংদা য়াম্না চেকশিন্না চেনশিনলকই ॥১১॥ মতম অদুদা অকনবগী লুচিংবা কর্ণ অমদি অর্জ্জুন অনি অসিনা অশাওবগা লোয়ননা অমনা অমবু মাইথিবা পিগে হায়না নিংনদুনা খুংলৈ থুবগী শক্তি উৎনহনা কয়াগী মতিক শোক্লরকপগে হায়ববু মথোয় অনিগী মমুংদা কনান হেনবগে খাৎপগে হায়বদু খংনখিদরে ॥১২॥ "নংনা তৌবা ঙম্বা শক্তি অদুগা চপচাবা ঐগী শক্তিসু য়েংঙু, ঐগী পাম্বোমগী পাঙ্গনসু উজহৌ" অসুম হায়বা অকনবগী খাণ্ডাংতনা মথোয় অনি অমগা অমগা লাওনরকই ॥১৩॥ অদুগী তুংদা মুমিংকী মচানিপা কর্ণনা অর্জ্জুনগী পাম্বোমগী পাঙ্গল অসি জগততা চাংদমনিংঙায় লৈতবোরে হায়বসি খুংলহনা অশাওবগা লোয়নননা কল্লা শোকনরক্লে ॥১৪॥ মতম অদুদা মহাকনা অর্জ্জুননা কাপলকলিবা, শাফু কল্লা পাইশিল্লক্লিবা তেনশিং অদুবু থিংদুনা নোংশাগী খোল্লাউনা লাওরকই, লাম্মিশিংনা অনিগী থৌদোক অমদি মথৌনাবু উরগা থাগৎনখি ॥১৫॥ মতম অদুদা কর্ণনা ব্রাহ্মণ (অর্জ্জুন) দা হায়রকই— ব্রাহ্মণ অখোইবা! নহাক্কী পাম্বোমগী পাঙ্গল, চোকথব লৈতবা, অমসুং খুৎলাই খিবিকপু লায়না ভাকথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল অসি উবদা ঐ পেল্লে ॥১৬॥ ব্রাহ্মণ! নহাকপু ধনুর্ব্বেদ হায়বদুরা? নত্রগা, পরশুরামরা, নত্রগা বিষ্ণুমকনা, মশাবু লোতুনা ব্রাহ্মণগী মশক লৌদুনা মপাঙ্গল থেকনা ঐগা লান্থেংনরিবরা? ॥১৭—১৮॥ মরমদি, ঐনবু অশাওবগা লোয়ননা লানথেংনরকলবদা ইন্দ্রমক নত্রগা পাণ্ডুমশিংগী মচুনা অর্জ্জুনমক নত্তনা কনাগুম্বা নিপা অমত্তনা ঐগা লান শোকনবা ঙমরম থোক্তে ॥১৯॥
কর্ণনা অসুম হায়রকপা মতমদা অর্জ্জুননা খুমখি কর্ণ! ঐহি ধনুর্ব্বেদ হায়বা অদুসু নত্তে,

ব্রাহ্মণোঽস্মাত্ত রণে জেতুং ত্বাং বৈ বীর। স্থিরো ভব। নির্জ্জিতোঽস্মীতি বা ব্রূহি ততো ব্রজ যথাসুখম্ ॥২২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্ত্বাথ কর্ণস্তু ধনুশ্চিচ্ছেদ পাণ্ডবঃ। ততোঽন্যদ্ধনুরাদায় সংযোদ্ধুং সন্দধে শরম্ ॥২৩॥

দৃষ্ট্বা তচ্চাপি কৌন্তেয়শ্ছিত্বা তদ্ধনুরাশুগৈঃ। তথা বৈকর্ত্তনং কর্ণং বিভেদ সমরেঽর্জ্জুনঃ ॥ ২৪ ॥

ততঃ কর্ণস্ত্ব রাধেয়শ্ছিন্নধন্বা মহাবলঃ। শরৈরত্যবিদ্ধাঙ্গঃ পলায়নমথাকরোৎ ॥ ২৫ ॥

পুনরাদায় মুহূর্ত্তেন গৃহীত্বা সশরং ধনুঃ ববর্ষ শরবর্ষাণি পার্থং বৈকর্ত্তনস্তথা ॥২৬॥

তানি বৈ শরজালানি কৌন্তেয়োঽভর্ত্সনচ্ছরৈঃ। জ্ঞাত্বা সর্ব্বান্ শরান্ ঘোরান্ কর্ণোঽধাবদ্রুতং বহিঃ। ব্রাহ্মং তেজস্তদাঽজয্যং মন্যমানো মহারথঃ ॥ ২৭ ॥

অপরস্মিন্ রণোদ্দেশে বীরৌ শল্যবৃকোদরৌ। বলিনৌ যুদ্ধসম্পন্নৌ বিদ্যয়া চ বলেন চ ॥ ২৮ ॥

অন্যোন্যমাহ্বয়ন্তৌ তু মত্তাবিব মহাগজৌ। মুষ্টিভির্জানুভিশ্চৈব নিঘ্নন্তাবিতরেতরম্ ॥২৯॥

বিকর্ষণাকর্ষণাভ্যামভ্যাকর্ষনিকর্ষণৈঃ। আচকর্ষতুরন্যোন্যং মুষ্টিভিশ্চাপি জঘ্নতুঃ। ততশ্চটচটাশব্দঃ সুঘোরঃ সমভূত ॥৩০॥

পাষাণসম্পাতনিভৈঃ প্রহারৈরভিজঘ্নতুঃ। মুহূর্ত্তং তৌ তদাঽন্যোন্যং সমরে পর্য্যকর্ষতাম্ ॥৩১॥

মতিক মগুণ চাউরবা মপাঙ্গল কল্লবা পরশুরাম হায়বা অতুসু নত্তে ॥২০॥ লাল শোকনবা হৈবা অকনবা। ঐগুসু খুৎলাই পুন্নমক হৈরবশিংগী মনুংদা অথোইবা ব্রাহ্মণ অমনি, ঐগী গুরুদেবগী পাউতাক লৌহুনা ব্রহ্মা অমদি ইশ্রনচিংবদা খুৎলাই লোযনা তমতুনা হৈরবা অমনি ॥২১॥ অকনবা। ঐ গুসি নংবু ভমগে হায়তুনা লানকম অসিদা লেপ্পুনা লৈরিবনি, ত্তপথো তহা-তহাসু ইমাংদা লেপ্পুনা লৈযু ঐ মায়থিরে হায়বসি নশানা হায়ু, নত্রগা নথবাই পুতুনা সুংভায়না চৎচখো ॥২২॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি—অসি হায়না হায়না অর্জ্জুননা কর্ণগী লীকং অহু ককথৎখি। অতুগী তুংদা কর্ণনা অতোপ্পা লীকুং অমা লৌখত্তুনা অর্জ্জুনদা কাপকে হায়তুনা তেঙ্গাথোংতুনা নিশানা তৌরক্লে ॥২৩॥ মাহু উদুনা অর্জ্জুনন তেনঅমন লীকং অতুবু ককথত্তুনা কর্ণগী মশাদা তেন্না থাখি ॥২৪॥ লীকং ককথৎখ্রবদ অমসুং মশাদা চৈনাখোল ফংলবদা মপান্থল কল্লবা কর্ণ অদো চৎখ্রে ॥২৫॥ মান' মিৎকুপ অমগী মনুংদা অতোপ্প লীকুং অমসুং তেন পুরক্তুনা অমুক ওনশিল্লক্তুনা অর্জ্জুনগী মফমদা তেন্না নোংচুবগুম হৈথরক্লে ॥২৬। মতম অতুদা অর্জ্জুননা তেন অমতনা কর্ণগী তেন পুন্নমক ককথৎলি। মতম অতুদা কর্ণনা মহাক্কী অকিবগী মশাক ফংলবা তেন ময়াম অতু কান্নদবা উবদা ব্রহ্মাতেজবু জয় তৌবা হায়বসি য়াদবোরে হায়বসি খল্লহনা খুদক অহুদা হন্দোকখ্রে ॥২৭॥ লালফমগী মফম অমদা মপাঙ্গল কল্লবা শল্যগা ভীমগা অমগা অমগা শীংনহুনা কৌথোক্লতুনা খুত্তুমগা খুতুমগা মফৈগল মরুদা থোংপাকনা কাওনহুনা, মন্নায় কারবা শামু অনি য়াথিল্লবগী মতৌগুম থেংনখি ॥২৮—২৯॥ মথোয় অনিনা মমায়গা মমায়গা ওনশিল্লহুনা, লাপনা ঈস্থোক্লহুনা, অমুক চংশিল্লহুনা, অমুক অমনা অমবু মনাক্তা চংশিনহন্দুনা। য়েৎলোমদা ওইরোমদা লৈনহুনা, অমগা অমগা খুদাং পায়নহুনা চিংথোক চিংশিন তৌনহুনা খুত্তুমগা খুত্তমগা শুনহুনা ফুনরক্লে। শেৎ-শেৎ লাওবা খোঙ্গেস্ত মতাখ্রে ॥৩০॥ মথোয় অনিনা মতম খরাদং সুংপাক্তা মাল্লনা কল্লবা থুপাকনা শেৎ-শাৎ, শেৎ-শাৎ থানরবা তুংদা অমগা অমগা পাম্থোমগা

ততো ভীমঃ সমুৎক্ষিপ্য বাহুভ্যাং শল্যমাহবে। অপাতয়ৎ কুরুশ্রেষ্ঠো ব্রাহ্মণা জহসুস্তদা ॥৩২॥
তত্রাশ্চর্য্যং ভীমসেনশ্চকার পুরুষর্ষভঃ। যচ্ছল্যং পাতিতং ভূমৌ নাবধীদ্বলিনং বলী ॥৩৩॥
পাতিতে ভীমসেনেন শল্যে কর্ণে চ শঙ্কিতে। শঙ্কিতাঃ সর্ব্বরাজানঃ পরিবব্রুর্বৃকোদরম্ ॥৩৪॥
ঊচুশ্চ সহিতাস্তত্র সাধ্বিমৌ ব্রাহ্মণর্ষভৌ। বিজ্ঞায়েতাং ক্বজন্মানৌ ক্বনিবাসৌ তথৈব চ ॥৩৫॥
কো হি রাধাসুতং কর্ণং শক্তো যোধয়িতুং রণে। অন্যত্র রামাদ্ দ্রোণাদ্বা পাণ্ডবাদ্বা কিরীটিনঃ ॥৩৬॥
কৃষ্ণাদ্বা দেবকীপুত্রাৎ কৃপাদ্বাপি শরদ্বতঃ। কো বা দুর্য্যোধনং শক্তঃ প্রতিযোধয়িতুং রণে ॥৩৭॥
তথৈব মদ্রাধিপতিং শল্যং বলবতাং বরম্। বলদেবাদৃতে বীরাৎ পাণ্ডবাদ্বা বৃকোদরাৎ ॥৩৮॥
বীরাদ্দুর্য্যোধনাদ্বাঽন্যঃ শক্তঃ পাতয়িতুং রণে। ক্রিয়তামবহারোঽস্মাদ্ যুদ্ধাদ্ ব্রাহ্মণসংবৃতাৎ ॥৩৯॥
ব্রাহ্মণা হি সদা রক্ষ্যাঃ সাপরাধাপি নিত্যদা। অথৈতানুপলভ্যেহ পুনর্যোৎস্যাম হৃষ্টবৎ ॥৪০॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তৎ কর্ম্ম ভীমস্য সমীক্ষ্য কৃষ্ণঃ কুন্তীসুতৌ তৌ পরিশঙ্কমানঃ।
নিবারয়ামাস মহীপতীংস্তান্ ধর্ম্মেণ লব্ধেত্যনুনীয় সর্ব্বান্ ॥৪১॥

এবং তে বিনিবৃত্তাস্তু যুদ্ধাদ্ যুদ্ধবিশারদাঃ। যথাবাসং যযুঃ সর্ব্বে বিস্মিতা রাজসত্তমাঃ ॥৪২॥

পাম্বোমগা পায়ন্দুনা চিংনরক্লে ॥৩১॥ অহুগী তুংদা ভীমনা পাম্বোম অনিনা শল্যবু থাংগত্তুনা লৈমায়থক্তা থাদৈ, মাতুদা ব্রাহ্মণ ময়ামনা ফাক ফাক নোকখি ॥৩২॥ মতম অদুদা মপাঙ্গল কল্লবা ভীমসেননা অঙকপা থবক অমগা তৌখি—মপাঙ্গল কল্লবা শল্যবু থাংগত্তুনা থাদরবা কাওবা মহাকপু হাৎপিখিদে ॥৩৩॥ ভীমনা শল্যবু লৈমায় থক্তা থাদরবা মতম অদুদা কর্ণনা চিংনখি, চিংনরদুনা ভীমগী পরিচয় খংগে হংগে হায়হুনা ভীমগী অকোয়বদা লেপ্পরে ॥৩৪॥ অমত্তা ওইনা হায়নরকই—ঙসিগী ব্রাহ্মণ অনিসিনা তৌখিবা থবক অসি অঙকপা অমদি থাগৎনীঙাই মশক ওইখ্রে। মখোয় অনিসিগী পোকফম লৈফম ওস্লোক্লা খংনীংখবেদা। ॥৫॥ পরশুরাম, দ্রোণাচার্য্য, কৃষ্ণ, কৃপাচার্য্য অদুগা অর্জ্জুন নত্তনা কর্ণগা লান্দা পানগদবসি কনানো? অহুগা কয়ম্বা নিপানা কল্লবা দুর্য্যোধনগা থেংনগদবসি কনা লৈ? ॥৩৬—৩৭॥

হৌজিক্কী মতমদা মীথোয় মীহেম্না কল্লবা বলরাম, পাণ্ডবশিংগী মনুংদা ভীমসেন, অহুগা কল্লবা দুর্য্যোধন অসি নত্তনা অতৈ কনানা শল্যবু মল্লযুদ্ধদা তুহনবা ঙমগদগে? অহনা, ব্রাহ্মণশিংগা লাল-শোন্নবা হায়বসিমত তোক্লবিরো ॥৩৮—৩৯॥ মরমদি, ব্রাহ্মণ হায়বসিদি ফনমক লান্দুনসু ক্ষত্রিয় ঐখোয়না হিরম পুম্নমক্তা য়েংকম ঙাকফম থোকই। অসিগী তুংদা মখোয়গী পরিচয় মুন্না খংদোক্লগা অমুক হন্না শোন্নরবসু শোকনসি ॥৪০॥ বৈশম্পায়ননা হায়—কৃষ্ণতনা ভীমসেনগী থবক উবদা, মখোয়বু কুন্তীগী মচানি হায়বসি ভাং-দাংবা খংলদুনা অদুক য়াম্বা নিংথৌশিং অমবু নীংথিবা অথোৎপা য়াহৈনা থামজিনখি; অমসুং ময়ামদা হায়রকই—"ময়াম পুমনমক শাওগনু, ব্রাহ্মণ অসিনা ধর্ম্মগী অমসুং নিয়মগী মতুংইন্না দ্রৌপদীবু ফংজখ্রবনি ॥৪১॥ মত্তৌ অসুম্না লাল হৈরবা নিংথৌশিংছু

বৃত্তো ব্রহ্মোত্তরো রঙ্গঃ পাঞ্চালী ব্রাহ্মণৈর্বৃতা। ইতি ব্রুবন্তঃ প্রযযুর্যে তত্রাসন্ সমাগতাঃ ॥৪৩॥
ব্রাহ্মণৈস্তু প্রতিচ্ছন্নৌ রৌরবাজিনবাসিভিঃ। কৃচ্ছ্রেণ জগ্মতুস্তৌ তু ভীমসেনধনঞ্জয়ৌ ॥৪৪॥
বিমুক্তৌ জনসম্বাধাচ্ছত্রুভিরপরিক্ষতৌ। কৃষ্ণয়ানুগতৌ তত্র নৃবীরৌ তৌ বিরেজতুঃ ॥৪৫॥
পৌর্ণমাস্যাং ঘনৈর্মুক্তৌ চন্দ্রসূর্য্যাবিবোদিতৌ। তেষাং মাতা বহুবিধং বিনাশং পর্য্যচিন্তয়ৎ ॥৪৬॥
অনাগচ্ছৎসু পুত্রেষু ভৈক্ষ্যকালেঽভিগচ্ছতি। ধার্ত্তরাষ্ট্রৈর্হতা ন স্যুর্বিজ্ঞায় কুরুপুঙ্গবাঃ ॥৪৭॥
মায়ান্বিতৈর্বা রক্ষোভিঃ সুঘোরৈর্দৃঢবৈরিভিঃ। বিপরীতং মতং জাতং ব্যাসস্যাপি মহাত্মনঃ ॥৪৮॥
ইত্যেবং চিন্তয়ামাস সুতস্নেহাবৃতা পৃথা। ততঃ সুপ্তজনপ্রায়ে দুর্দ্দিনে মেঘসংপ্লুতে ॥৪৯॥
মহত্যথাপরাহ্নে তু ঘনৈঃ সূর্য্য ইবাবৃতঃ। ব্রাহ্মণৈঃ প্রাবিশত্তত্র জিষ্ণুর্ভার্গববেশ্ম তৎ ॥৫০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি স্বয়ম্বরে
পাণ্ডবপ্রত্যাগমনে ত্র্যশীত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(*):—

অশুকপগা লোয়ননা লাল তোক্তুনা মাগী মাগী লৈপাক্তা হন্নখি ॥৪২॥ অদুগা অতে অতে অতোপপা স্বয়ম্বর অদুদা লাকপা মীশিংনসু "ব্রাহ্মণনা মকোক ওইনা তৌবা স্বয়ম্বর অসিদা দ্রৌপদীবু ব্রাহ্মণমকনা অদুম ফংজখ্রবনি" হায়না অমগা অমগা ঙাংনখি ॥৪৩॥ অদুদগী শক্তী মউল শেংলবা ইল্লবা ব্রাহ্মণশিং অদুনা ইকোয় কোয়শিল্লবা ভীম অমসুং অর্জ্জুন অনিনা ময়াম অদুগী মরক্তগি য়ামনা ৱানা লীখোকখি ॥৪৪॥ য়েকনবশিংনা শকযম লাকপা ঙমহৌদ্রবা, নিপাগী মমুংদা অথোইবা ভীম অর্জ্জুন অনিনা দ্রৌপদীগা লোয়ননা মীয়াম মরক অদুদগী থোরক্তুনা, পূর্ণিমাগী সুমিত্তা নোংমরক্তগী থোরকপা সুমিৎ থাগী মতোঙ্গুমনা নীংথিজখি। অসোয়দদি কুন্তীনা মচাশিং লাক্তে, ভিক্ষা তৌবগী মতম নাম্লোকখে, হায়দুনা ইচাশিংবু করি তৌখ্রবনো হায়দুনা যামনা চিংনবগা লোয়ননা লাংতকনখি। "ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা ইচাশিংবু শক খংখ্রদুনা মথৎরাইবু মাংহনখ্রবরা, নত্রগা মায়া হৈরবা, অকিবগী মশক ওইরবা অমদি ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় পুমনমককী অতৎপা লৈতনা য়েকনবা ওইরবা ছিংচাবশিংনসু হাৎতোকপিখ্রবরা" অসুম হায়না পুক্লিংদা মওল মওল খনখি, ওনথোকপনিদা বেদব্যাসমকনা হায়খিবা ৱাশিং অদুবু মথক মখা ওন্নখরববা, অসুম হায়নসু কুন্তীদেবীনা খনখি ॥৪৫—৪৮॥ মতৌ অসুমনা মচা সুশিংজবগী কুন্তিদেবীনা পুক্লিংদা মওল মওল খন্দুনা লৈখি। চুহাক লৈরগা মীওইবনা তুমথুল হুনথনা তুম্বা মতমদা অশিবগী পাংথককুম থোংখুৎ কাওদনা তুমিন্না ভুমন্দুনা লৈবগুমনা চীকখরবা নোংনা পুম্নম মমখরবা, নোংয়াই মতুংদা, ব্রাহ্মণশিংনা ইকোয়-কোয়শিন্না অর্জ্জুননা নোংমরক্তগী হাইদোরকপা সুমিৎকী মতোঙ্গুম মখোয়না লৈরিবা চকুশারগী ইমুং অদুদা চংলক্লে ॥৪৯—৫০॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা স্বয়ম্বরগী মতাংদা পাণ্ডবশিংনা ময়ুমদা হল্লকপা কৌবা চামগা মরিফুহুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

(রামকৃষ্ণ গমনগী মতাং)

(চামা মরিফু মরি শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

গত্বা তু তাং ভার্গবকর্ম্মশালাং পার্থৌ পৃথাং প্রাপ্য মহানুভাবৌ।
তাং যাজ্ঞসেনীং পরমপ্রতীতৌ ভিক্ষেত্যথাবেদয়তাং নরাগ্রেৌ ॥১॥
কুটীগতা সা ত্বনবেক্ষ্য পুত্রৌ প্রোবাচ ভুঙ্‌ক্তেতি সমেত্য সর্ব্বে।
পশ্চাচ্চ কুন্তী প্রসমীক্ষ্য কৃষ্ণাং কষ্টং ময়া ভাষিতমিত্যুবাচ ॥২॥
সাহধর্ম্মভীতা পরিচিন্তয়ন্তী তাং যাজ্ঞসেনীং পরমপ্রতীতাম্।
পাণৌ গৃহীত্বোপজগাম কুন্তী যুধিষ্ঠিরং বাক্যমুবাচ চেদম্ ॥ ৩ ॥

কুন্ত্যুবাচ।

ইয়ন্তু কন্যা দ্রুপদস্য রাজ্ঞস্তবানুজাভ্যাং ময়ি সন্নিসৃষ্টা।
যথোচিতং পুত্র! ময়াপি চোক্তং সমেত্য ভুঙ্‌ক্তেতি নৃপ! প্রমাদাৎ ॥ ৪ ॥
এতৎ কথং নানৃতমুক্তমদ্য ময়া ভবেদ্‌ব্রূহি যদত্র যুক্তম্।
পাঞ্চালরাজস্য সুতাধর্ম্মো ন চোপবর্ত্তেত ন বিভ্রমেচ্চ ॥ ৫ ॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— মতিক মগুণ চাওরবা, নিপা মরক্তগী অথোক্টব ভীম অর্জ্জুন অনিনা চফু শাবা নিপা অদুগী চফু শাফমদা চংখিদুনা মমা কুন্তীবু উবদা য়ামনা হবাওনা ফুংভাইনা চংশিল্লক্তুনা মমাদা হায়রে— "ইমা! ঐখোয় ভিক্ষা নিকরে, পুরক্লে" ॥১॥ কুন্তীনা ইমুংদা লৈবনা, ভীম অর্জ্জুনবু উদদুনা "ইবুঙো! নখোয় চপ মান্নবা য়েন্নদুনা চাও" অস্তুম হাযনা ইমুংদগী হাযদোকখ্রে, মতুংদা দ্রৌপদীবু উবদা "ওস্তোকপা যত্রবা য়া অমবু ঐনা হায়করেদা!" অস্তুম হায়না কুন্তীনা য়ামনা ফুংঙাইতবগা লোয়ননা হায়খি ॥২॥ অদুগী তুংদা দ্রৌপদীনা ধর্ম্ম কায়বা থবক তৌব তাথ্রদরা হায়না কিবনা য়ামনা চিন্তা তৌন তৌন দ্রৌপদীগী মখুদাং পায়দুনা যুধিষ্ঠিরগী মকম তান্ন চত্তুনা হায়খি ॥৩॥ কুন্তীনা হায়— ইবুঙো! নংগী ননাও নিপা অনিনা দ্রুপদ নিংথৌগী মচানুপী কন্যা অসিবু পুবক্তুনা ঐঙোন্দা ভিক্ষা পুরক্লে হায়না তাকলে, ইমানসু য়াথল থেনবনা অমদি চোকশিল হৌদবনা চূমনগী চেং হন্নাইগী ভিক্ষা ওইরবোই খন্দুনা "নচিন ননাও নখোয় মযাম য়েন্নহনা চাও" হায়না ইচুম চুমনা খুমদোকলুরে ॥৪॥ ঐনা হায়দোকখিব্রবা অসিবু করম হাযনা অচুম্ব হায়বহ ওইগদৌরিবনো? ইমানা হায়দোকখিব অঙ্গসু অরেম্ব ওইদনবা, অরেম্বা ওইরোইদব ঙাংখোকলুবগী পাপসু পুদনবা

বৈশম্পায়ন উবাচ।

স এবমুক্তো মতিমান্ সুধীরো মাত্রা মুহূর্ত্তঞ্চ বিচিন্ত্য রাজা।
কুন্তীং সমাশ্বাস্য কুরুপ্রবীরো ধনঞ্জয়ং বাক্যমিদং বভাষে ॥ ৬ ॥
ত্বয়া জিতা ফাল্গুন! যাজ্ঞসেনী ত্বয়ৈব শোভিষ্যতি রাজপুত্রী।
প্রজ্বাল্যতামগ্নিরমিত্রসাহ! গৃহাণ পাণিং বিধিবত্ত্বমস্যাঃ ॥ ৭ ॥

অর্জ্জুন উবাচ।

মা মাং নরেন্দ্র! ত্বমধর্ম্মভাজং কৃথা ন ধর্ম্মোঽয়মশিষ্টদৃষ্টঃ।
ভবান্ নিবেশ্যঃ প্রথমং ততোঽয়ং ভীমো মহাবাহুরচিন্ত্যকর্ম্মা ॥ ৮ ॥
অহং ততো নকুলোঽনন্তরং মে পশ্চাদয়ং সহদেবস্তরস্বী।
বৃকোদরোঽহঞ্চ যমৌ চ রাজন্! ইয়ঞ্চ কন্যা ভবতো নিযোজ্যাঃ ॥৯॥
এবং গতে যৎ করণীয়মত্র ধর্ম্ম্যং যশস্যং কুরু তদ্বিচিন্ত্য।
পাঞ্চালরাজস্য হিতঞ্চ যৎ স্যাৎ প্রশাধি সর্ব্বে স্ম বশে স্থিতাস্তে ॥১০॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

জিষ্ণোর্ব্বচনমাজ্ঞায় ভক্তিস্নেহসমন্বিতম্। দৃষ্টিং নিবেশয়ামাসুঃ পাঞ্চাল্যাং পাণ্ডুনন্দনাঃ ॥১১॥
দৃষ্ট্বা তে তত্র পশ্যন্তীং সর্ব্বে কৃষ্ণাং যশস্বিনীম্। সম্প্রেক্ষ্যান্যোন্যমাসীনা হৃদয়ৈস্তামধারয়ন্ ॥১২॥

অহগা কন্যা অসিগী নরক তাব য়াব পাপ অঙ্গ ওইদনবা, ইবুঙো, নংনা উপায অমতং হায়যু ॥৫॥ বৈশম্প্যায়ননা হায়থি— কুন্তীনা অসুম হাযরবদা শিংলব, ধর্ম্ম চেন্নবা যুধিষ্ঠিরনা ঙহাক্তং মুন্না থল্লগা কুন্তীবু থেমজিন্নগা মনাও অর্জ্জুনদা হায়রকই ॥৬॥ ফাল্গুন! নংনা লক্ষ্য কক্তুনা পুমনমকপু জয় তৌহনা দ্রৌপদীবু ফংলবনি, অদুনা নিংথৌগী মচা নুপীসিনা নহাক্কী নাক্ত লৈজরবতদা মতিক চান নীংথিজবী হায়বদু ওইগদৌরিবনিদো। অহনা মশামকনা যজ্ঞগী মৈ হৌগত্তুনা যজ্ঞ তৌমবা তৌ, বিধি কায়দনা রাজকন্যা অসিবু লুহোংহনা লৌ ॥৭॥ অর্জ্জুননা হায়— য়াম্বুং, মহারাজ! এবু ধর্ম্ম কাযবা থবক তৌহনবিগনু, তাকপিরিবদুদি ধর্ম্ম থোক্তে। অসিগুম্ব থবক অসিদি হৌনবা থদবশিংতনা তৌব উই। অহানবদা রাজ কন্যাসিবু য়াম্বুংনা বিবাহ তৌবিগদবনি, অহগী তুংদা য়াম্বুং য়াইমা ভীমনা ॥৮॥ অদুগী তুংদ এনা, অহদগী অমুক নকুল সহদেবনা মথং মথং বিবাহ তৌগদবনি। য়াম্বুং ভীম, এ, নকুল, সহদেব অমসুং রাজ কন্যা এখোয মভা অসিনা মতম লৈবাখিবিক্ত য়াম্বুংগী য়াথংগী মখা পোন্ন লৈজগদবনি ॥৯॥ অসুম তৌরবদা বিষয় অসিদা ধর্ম্ম কায়দনবা, অমদি মিংচৎ পীগদবা ওইবা মরম অদু মুন্ন য়াথল তৌবিরগা অসুম কৈ হায়বদু তাকপিহনা তৌবিযু; অদুগা করম তৌরে হায়রগা পাঞ্চাল নিংথৌগী কান্নগদবা অদুগী মরমদসু পাণ্ডতাক পীনবিযু, ননাই এখোয় পুন্না য়াম্বুংগী য়াথং মখা পোন্ন লৈজরি ॥১০॥

বৈশম্পায়ননা হায়— মতম অদুদা পাণ্ডবশিংনা অর্জ্জুননা হায়রিবা বা অদু ভক্তি, মচিন মনাওশিংবু চুংশিন অমদি নুন তৌবনা হায়রিবনি হায়না থজদুনা দ্রৌপদীরোমদা য়েংলকই ॥১১॥ মতম অদুদা দ্রৌপদীনা পাণ্ডব পুমনমকপু মথং মথং মুন্না য়েংলকই; মাদু উবদা পাণ্ডব মচামক অমগা অমগা

তেষান্তু দ্রৌপদীং দৃষ্ট্বা সর্ব্বেষামমিতৌজসাম্ । সম্প্রমথ্যেন্দ্রিয়গ্রামং প্রাদুরাসীন্মনোভবঃ ॥১৩॥
কাম্যং হি রূপং পাঞ্চাল্যা বিধাত্রা বিহিতং স্বয়ম্ । বভূবাধিকমন্যাভ্যঃ সর্বভূতমনোহরম্ ॥১৪॥
তেষামাকারভাবজ্ঞঃ কুন্তীপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ । দ্বৈপায়নবচঃ কৃৎস্নং সস্মার মনুজর্ষভঃ ॥১৫॥
অব্রবীৎ স হি তান্ ভ্রাতৄন্ মিথো ভেদভয়ান্নৃপ । সর্ব্বেষাং দ্রৌপদী ভার্য্যা ভবিষ্যতি হি নঃ শুভা ॥১৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ভ্রাতুর্ব্বচস্তৎ প্রসমীক্ষ্য সর্বে জ্যেষ্ঠস্য পাণ্ডোস্তনয়াস্তদানীম্ ।
তমেবার্থং ধ্যায়মানা মনোভিঃ সর্ব্বে চ তে তস্থুরদীনসত্ত্বাঃ ॥১৭॥
বৃষ্ণিপ্রবীরস্তু কুরুপ্রবীরান্ আশংসমানঃ সহরৌহিণেয়ঃ ।
জগাম্ তাং ভার্গবকর্ম্মশালাং যত্রাসতে তে পুরুষপ্রবীরাঃ ॥১৮॥
তত্রোপবিষ্টং পৃথুদীর্ঘবাহুং দদর্শ কৃষ্ণঃ সহরৌহিণেয়ঃ ।
অজাতশত্রুং পরিবার্য্য তাংশ্চাপ্যুপোপবিষ্টান্ জ্বলনপ্রকাশান্ ॥১৯॥
ততোঽব্রবীদ্বাসুদেবোঽভিগম্য কুন্তীসুতং ধর্ম্মভৃতাং বরিষ্ঠম্ ।
কৃষ্ণোঽহমস্মীতি নিপীড্য পাদৌ যুধিষ্ঠিরস্যাজমীঢ়স্য রাজ্ঞঃ ॥২০॥
তথৈব তস্যাপ্যনু রৌহিণেয়স্তৌ চাপি হৃষ্টাঃ কুরবোঽভ্যনন্দন্ ।
পিতৃস্বসুশ্চাপি যদুপ্রবীরাবগৃহ্ণতাং ভারতমুখ্য ! পাদৌ ॥ ২১ ॥

য়েংনরগা দ্রৌপদীবু মুংশিবগা লোয়নদা কোনখি ॥১২॥ দ্রৌপদীবু মথোয় পুম্নমকনা ইন্দ্রিয়বু খুদুম চন্দুনা য়েংলব তুংদ মথোয়গী থম্মোইদা অপাম মুংশিগী ম্বাখল মতম অমতদা পোকনখি ॥১৩॥ মন্নমদি বিধাতানা দ্রৌপদীগী হকচাং কায়াৎ পুম্নবু নিপা ওইব পুমনমক্কী মিহৌনফম ওইনা শেমখি; অদু মরুনা দ্রৌপদীগী মশকনা অতোপ অতোপ্পা মুপীশিংদগী যামনা হেন্না পূকনিং চূননবগী মশক ওইরম্মি ॥১৪॥ নিপাগী মচুংদা অপোইব যুধিষ্ঠিরনা ভীমনচিংব মনাওশিংগী দ্রৌপদীদা থমলিবা মিথয়েং উবদা মমাংদ্বৈপ্রদা ব্যাসনা হায়খিবা ব্বা পুম্নমক অদু নীংশিংলকলে ॥১৫॥ অদুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনা মচিন মনাও অমগা অমগা কাযনবকনি মুংশিনরকলোই হায়না খিবনা অদুম হায়রকই—
"মঙ্গলগী মশক ওইরবী দ্রৌপদীসে ঐখোযমক্কী সেবা তোবী লোয়নবী ওইরগদবনি ॥১৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— ব্বা অসি তাবদা ভীমনচিংব পাণ্ডব মরিনা ময়াম্ব অহন্না হায়ব ব্বা অদু মুম খন্দুনা ম্বাখল তৌদুনা তুমিন তুমিন লৈনখি ॥১৭॥

মতম অসিমক্তদা, কৃষ্ণনা, মথোয় অসি পাণ্ডুগী মচা মক্কা অতুনি হায়না নীংলদুনা, মথোয় মচানা লৈরিবা চকুশাবগী চকুশাফম য়ুম অদুদা বলরামগা লোয়ননা লাকখি ॥১৮॥ মকম অদু তাদ্না শ্রীকৃষ্ণনা বলরামগা লোয়ননা লাক্লুনা করি উখিবগে হায়বদা—নোংরদা শাংলবা মপাম্বোম অনিনা মহাক্কী ওইবা যুধিষ্ঠিরনা থম্বাইগী ময়ায়দা ফমদুনা লৈরি, অদুগা মৈগী মতৌগুম্বা তেজ লৈরবা ভীমনচিংবনা মহাক্কী অকোয়বদা তুমিন-তুমিন ফমদুনা লৈরি ॥১৯॥ অদুগী তুংদা কৃষ্ণনা যুধিষ্ঠিরগী নাক্তা চংশিল্লকলুনা খোং শোক্লুনা "ঐ কৃষ্ণনি" হায়না পরিচয় পীরে ॥২০॥ অদুগী তুংদা কৃষ্ণনা তৌবগুমনা বলরামসু যুধিষ্ঠিরগী নাক্তা চংশিল্লকলুনা খোং শোক্লুনা "ঐনা বলরাম

অজাতশত্রুশ্চ কুরুপ্রবীরঃ পপ্রচ্ছ কৃষ্ণং কুশলং বিলোক্য।
কথং বয়ং বাসুদেব! ত্বয়েহ গূঢ়া বসন্তো বিদিতাশ্চ সর্বে॥ ২২॥
তমব্রবীদ্বাসুদেবঃ প্রহস্য গূঢ়োঽপ্যগ্নির্জ্ঞায়ত এব রাজন্!।
তং বিক্রমং পাণ্ডবেয়ানতীত্য কোঽন্যঃ কর্ত্তা বিদ্যতে মানুষেষু॥ ২৩॥
দিষ্ট্যা সর্ব্বে পাবকাদ্বিপ্রমুক্তা যূয়ং ঘোরাৎ পাণ্ডবাঃ শত্রুসাহাঃ।
দিষ্ট্যা পাপো ধৃতরাষ্ট্রস্য পুত্রঃ সহামাত্যো ন সকা মাঽভবিষ্যৎ॥২৪॥
ভদ্রং বোঽস্তু নিহিতং যদ্গুহায়াং বিবর্দ্ধধ্বং জ্বলনা ইবৈধমানাঃ।
মা বো বিদ্যুঃ পার্থিবাঃ কেচিদেব যাস্যাবহে শিবিরায়ৈব তাবৎ।
সোঽনুজ্ঞাতঃ পাণ্ডবেনাব্যশ্রীঃ প্রায়াচ্ছীঘ্রং বলদেবেন সার্দ্ধম্॥ ২৫॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
স্বয়ম্বরে রামকৃষ্ণাগমনে চতুরশীত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ॥০।

—(০)—

হায়রবত্রুনি” হায়না হায়রৈ। মতম অদুদা পাণ্ডবশিংনা রামকৃষ্ণ অনিবু য়ামনা হৈরাওনা মুক্তাইনা তরাম তরামনা ওকখি। অদুগী তুংদা, রামকৃষ্ণ অনিনা মপাগা পোকমিন্নবা মনেমনি, হায়দুনা কুন্তীগী চরণ শোক্তুনা খুরমখি ॥২১॥ অদুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনা কৃষ্ণগী মায়কৈরোমদা য়েংদুনা কৃষ্ণগী মঙ্গল ওইবা বা পাও পুন্নমক হংলগা অসুম হায়খি—“কৃষ্ণ! ঐখোয়দি অসিদা য়ামনা খুপনা লৈরিবনি, অদুবু ঐখোয় অসিদা লৈ হায়বসিদি করম হায়না খংবগে? ॥২২॥ মতম অদুদা কৃষ্ণনা নোক্তুনা খুমলকই—“মহারাজ! মৈবু ফিনা কুপপা য়াবা নত্তে, মৈবু লোৎপা য়াবরা? পাণ্ডুগী মচা নত্তনা মীওইবগী মন্থুংদা কনানা অসিগুম্বা থৌনাবু উৎপা ঙমগদগে? ॥২৩॥ য়েকনব শিংবা তকশিল্লকপবু খাংবা ঙমবিরবাময়াম্না থৌনানা অমদি লাইবক ফবনা অদুগুম্বা মৈমুং অদুদগী নাম্থোরক্লিবনি। অদুগা লাইবক ফবনা পাপ চেল্লবা দুর্য্যোধন অমদি মহাককী মন্ত্রীশিংগী নীংবা অদুমক মহে য়ানখিদ্রে ॥২৪॥ ঐখোয়গী পুক্নিংদা ময়ামগী মঙ্গল ওইবতা খল্লুনা লৈবা অসিগুমনা ময়ামগী মঙ্গল ওইসনু। চাকখৎলকপা মৈগী মতৌগুমনা ময়ামগী চাওখৎপা ওইসনু, অদুগা কনাগুম্বা নিংথৌ অমতনা ময়াম্বু, করিমতা খংদবা ওইসনু। ঐখোযদি হৌজিক ঐখোয়গী খুংফম শিবির তাদা চৎলগে।” অসি হায়রম্লগা অমাং অতা লৈত্রবী লক্ষ্মীনা মহাকী ওইবা শ্রীকৃষ্ণনা কন্নায়গা লোয়ননা যুধিষ্ঠিরদগী বিদায়-য়াথং লৌদুনা খুন-য়াংনা চৎখি ॥২৫॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেবা সংহিতা আদি-পর্ব্বদা স্বয়ম্বরগী মতাংদা, রামকৃষ্ণাগমন কৌবা চামগা মরিফুমরি শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(ধৃষ্টদ্যুম্ননা হল্লকপগী ৱারী)

(চামা মল্লিফুমঙা শুবা অধ্যায়)

---:(†):---

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ধৃষ্টদ্যুম্নস্তু পাঞ্চাল্যঃ পৃষ্ঠতঃ কুরুনন্দনৌ। অন্বগচ্ছত্তদা যান্তৌ ভার্গবস্য নিবেশনে॥ ১ ॥

সোঽজ্ঞায়মানঃ পুরুষানবধায় সমন্ততঃ। স্বয়মারান্নিলীনোঽভূদ্ভার্গবস্য নিবেশনে॥২॥

সায়ঞ্চ ভীমস্তু রিপুপ্রমাথী জিষ্ণুর্যমৌ চাপি মহানুভাবৌ।
ভৈক্ষ্যং চরিত্বা তু যুধিষ্ঠিরায় নিবেদয়াঞ্চক্রুরদীনসত্ত্বাঃ॥৩॥

ততস্তু কুন্তী দ্রুপদাত্মজাং তামুবাচ কালে বচনং বদান্যা।
ত্বমগ্রমাদায় কুরুষ্ব ভদ্রে! বলিঞ্চ বিপ্রায় চ দেহি ভিক্ষাম্॥৪॥

যে চান্নমিচ্ছন্তি দদস্ব তেভ্যঃ পরিশ্রিতা যে পরিতো মনুষ্যাঃ।
ততশ্চ শেষং প্রবিভজ্য শীঘ্রম্ অর্দ্ধং চতুর্ধা মম চাত্মনশ্চ॥৫॥

অর্দ্ধন্তু ভীমায় চ দেহি ভদ্রে! য এষ নাগর্ষভতুল্যরূপঃ।
গৌরো যুবা সংহননোপপন্ন এষো হি বীরো বলভুক্ সদৈব॥৬॥

বৈশম্পায়ননা হায়— ভীম অর্জুন অনিন স্বয়ম্বরদা নিংথৌ পুম্নমকপু জয় তৌরগা চকু শাবনী য়ুমদা হল্লকপা মতমদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা লোম্ন লোম্ন মখোয়গী তুংদা ইল্লরকখি॥১॥ ধৃষ্টদ্যুম্ননা মখোয় খংহন্দনা পঞ্চ পাণ্ডবনা লৈরিবা য়ুম অদুগী অকোয়বদা মী লৈহল্লগা মহাক্না অনকপা অদু ৱাইদা থুপ্পুনা লৈখি॥২॥ অদুগী তুংদা য়েকনবা ঙমলবা ভীম অর্জ্জুন অমদি পুকচেল চাওরবা, অহৈন কল্লবা মচিন মনাও মখোয় মরিনা ভিক্ষা নিকরগা, ভিক্ষাদা ফংলকপা পোৎশিং অদু যুধিষ্ঠিরগী মফমদা কৎশিল্লি॥৩॥ অদুগী তুংদা পুকচেল চাওবী কুন্তী দেবীনা মাহু পুম্নমক থোং-থাক্লগা, দ্রৌপদীদা হায়রকই— ইবেম্মা। চাক য়েনশাং অসিগী শরুক থরদং তমলগা অহানবদা দেবতাশিং অমদি ব্রাহ্মণশিংদা কখোকউ॥৪॥ অদুগা শরুক থরনা, চানীংবা অরাম্বা মী লৈরিবশিং অদুদা পীজৌ, অরেম্ব অদু অনী থোকনা য়েন্থোকলো, মাহগী শকক অমদ, অমুক শরুক তকক থোকনা থাইদোকউ, শরুক মরিনা মচিন মনাও মরিগী, শরুক অমনা ঐগী, শরুক অমনা নহাকী থাকউ। অদুগা ভসাইগী শরুক অম পুল্লপ থাকহৌবা অদুনা থৱাইদগী কনবা মশা-মউনা শামুগুম্বা, তৌরোক তৌবা পাথং অ্যাসিদা পীজৌ। করিনা হায়রবু মহাক্তি থৱাইদগী কনবনিনা হুমিৎ খুদিংগীসু থৱাইদগী হেন্না

সা হৃষ্টরূপৈব তু রাজপুত্রী তস্যাঃ বচঃ সাধু বিশঙ্কমানা।
যথাবদুক্তং প্রচকার সাধ্বী তে চাপি সর্ব্বে বুভুজুস্তদন্নম্ ॥৭॥
কুশৈস্তু ভূমৌ শয়নঞ্চকার মাদ্রীপুত্রঃ সহদেবস্তরস্বী।
অথাত্মকীয়ানজিনানি সর্ব্বে সংস্তীর্য্য বীরা সুষুপুর্ধরণ্যাম্ ॥৮॥
অগস্ত্যকান্তামভিতো দিশন্তু শিরাংসি তেষাং কুরুসত্তমানাম্।
কুন্তী পুরস্তাত্তু বভূব তেষাং পাদান্তরে চাথ বভূব কৃষ্ণা ॥৯॥
অশেত ভূমৌ সহ পাণ্ডুপুত্রৈঃ পাদোপধানীব কৃতা কুশেষু।
ন তত্র দুঃখং মনসাপি তস্যা ন চাবমেনে কুরুপুঙ্গবাংস্তান্ ॥ ১০ ॥
তে তত্র শূরাঃ কথয়াম্বভূবুঃ কথা বিচিত্রাঃ পৃতনাধিকারাঃ।
অস্ত্রাণি দিব্যানি রথাংশ্চ নাগান্ খড়্গান্ শবাংশ্চাপি পরশ্বধাংশ্চ ॥ ১১ ॥
তেষাং কথাস্তাঃ পরিকীর্ত্ত্যমানাঃ পাঞ্চালরাজস্য সুতস্তদানীম্।
শুশ্রাব কৃষ্ণাঞ্চ তদা নিষন্নাং তে চাপি সর্ব্বে দদৃশুর্মনুষ্যাঃ ॥১২॥
ধৃষ্টদ্যুম্নো রাজপুত্রস্তু সর্বং বৃত্তং তেষাং কথিতঞ্চৈব রাত্রৌ।
সর্বং রাজ্ঞে দ্রুপদায়াখিলেন নিবেদয়িষ্যংস্ত্বরিতো জগাম্ ॥১৩॥
পাঞ্চালরাজস্তু বিষণ্ণরূপস্তান্ পাণ্ডবানপ্রতিবিন্দমানঃ।
ধৃষ্টদ্যুম্নং পর্য্যপৃচ্ছন্মহাত্মা ক সা গতা কেন নীতা চ কৃষ্ণা ॥১৪॥

চায়দকো ইবেম্মা ॥৫—৬॥ লমচৎ পূকচেল ফজরবী দ্রৌপদীনা মনেম কুন্তীনা হায়বা ম্বা অদু অফবনি অচুম্বনি হায়না লৌই, নিংথৌমন্বী মচা মুপীনিদি হায়ববু মথমাই হরাও হরাওনা কুন্তীগী য়াথং ইন্দুনা লৈখি, দ্রৌপদীনা য়েন্নিবশিং অদু পাণ্ডবশিংনা চাখি ॥৭॥ অদুগী তুংদা, সহদেবনা কুশতনা ফমুং অম শেম শাই, অদুদগী পাণ্ডবশিংনা মাহুগী মথক্তু মাগী মাগী শজী মউন অদু থাদুনা লৈমায় মথক্তা অমম হীপথখি ॥৮॥ পাণ্ডবশিংগী মকোক্না মখারোমদা ওল্লি, কুন্তীনা মখোয়গী মকোক-লোমদা হীপথখি, অদুগা দ্রৌপদীনা মখোয়গী খুয়ারোমদা তুমথখি ॥৯॥ দ্রৌপদীনা অসুমনা হীপথপ্রবদা পাণ্ডবশিংনা দ্রৌপদীবু মখোয়গী খোং থম্মবা মোনগী মতৌগুম শিজিন্নখি। মাস্মম তৌবসিদা দ্রৌপদীগী মথম্বাইদা কন্নিমতা মুংলাইতবা অম্বাব লৈতে, দ্রৌপদীনা মপূরোইবশিং অদুবু করিগুম্বদা উশিৎ থৌওইদবা তৌদে ॥১০॥ পাণ্ডবশিংনা মতৌ অসুমনা হীপ্ন হীপ্ন লাম্মী তেঙ্গোলগী মরমদা মথল মথা অয়াম্ব ম্বারী ম্বাতায় শামরকই, অদুগা লাইগী খুৎলায়, দোলাই, সগোল শামু, থ্যাং তা লীরুং তেজ শীংলং মন্না শান্না খুৎলায়নচিংঙ্গী মরমদা শম্নরকই ॥১১॥

মতোয়বদা শান্নিবা ম্বারী-ম্বাতায় পুক্কমক তুমিন তুমিনা ধৃষ্টদ্যুম্ননা তাখি অদুগা মহাক্না অমসুং মহাক্কী লোয়নরকপা লুমলিবা মীশিং অদনা দ্রৌপদীগী অবস্থা মুন্না উখি ॥১২॥ নিংথৌগী মচা ধৃষ্টদ্যুম্ননা পাণ্ডবশিংগী তৌরিবা মতা অমদি শামরিবা ম্বারী-ম্বাতায় পুম্বা অহিং অদুমক্তনা দ্রুপদ নিংথৌদা তম্বুগে হায়রবীনমক থুনম্বাংনা তুমিন্না চৎখি ॥১৩॥ অসোমদা দ্রুপদ নিংথৌনা পাণ্ডবশিংদি, হায়বা মীশক মুন্না থংদহুনা ম্বান্না চিংনদা ম্বানা লৈরম্মি। ধৃষ্টদ্যুম্ননা হেক লাকপদা

কচ্চিন্ন শূদ্রেণ ন হীনজেন বৈশ্যেন বা করদেনোপপন্না ।
কচ্চিৎ পদং মূর্দ্ধ্নি ন পঙ্কদিগ্ধং কচ্চিন্ন মালা পতিতা শ্মশানে ॥১৫॥
কচ্চিৎ সবর্ণপ্রবরো মনুষ্য উদ্রিক্তবর্ণোঽপ্যুত এব কচ্চিৎ ।
কচ্চিন্ন বামো মম মূর্দ্ধ্নি পাদঃ কৃষ্ণাভিমর্ষেণ কৃতোঽদ্য পুত্র ! ॥১৬॥
কচ্চিন্ন তপ্যে পরমপ্রতীতঃ সংযুজ্য পার্থেন নরর্ষভেণ ।
বদস্ব তত্ত্বেন মহানুভাব ! কোঽসৌ বিজেতা দুহিতুর্মমাদ্য ॥১৭॥
বিচিত্রবীর্য্যস্য সুতস্য কচ্চিৎ কুরুপ্রবীরস্য ধ্রিয়ন্তি পুত্রাঃ ।
কচ্চিত্তু পার্থেন যবীয়সাঽদ্য ধনুর্গৃহীতং নিহতঞ্চ লক্ষ্যম্ ॥১৮॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
স্বয়ম্বরে ধৃষ্টদ্যুম্নপ্রত্যাগমনে পঞ্চাশীত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

দ্রুপদনা—"দ্রৌপদীদি কদায়দা চৎখ্রে ? কনানা মহাকপু পুত্নুনা চৎখিবগে ?" অমুম হায়না হংলকই ॥১৪॥

লোইপোৎ হাবা, অতোনবা জাৎনা, নত্রগা শূদ্রনা নত্রগা বৈশ্যনা
ইচাবু পুত্নুনদি চৎখিদেকো ? নিংথৌ ঐগী ইকোক্ত,
লৈথোম তৈবা মখোংনা নেৎলমত্নুনদি চৎখিদেনকো ?
ফজবা লৈরাং-পরেংদো মোংফমদা তাত্নুনদি লৈতৌদেকো ॥১৫॥
দ্রৌপদীবু পুখিবদো, কনাগুম্বা অচৌবা, ক্ষত্রিয়গী মচা নত্তেকো ?
নত্রগা কনাগুম্বা ব্রাহ্মণনা, ইচাবু পুত্নুনা চৎখিবরা ?
ইপাগী ইবুঙো থুনা তম্মুবা, অতোনবা জাত্তা পোকলবা,
কনাগুম্বা নিপানা, ইচাগী মশা-শোক্নুনা নিংথৌ ঐগী ইকোক্তা, ওইখংবা মখোংনা কাওরগা
চৎখিবদি নত্তেকো ? ॥১৬॥ নীংঙমদবনা থ্রাবদো, ঐবু ভৌরম্মু হায়বর ?
মীথোই মীহেনবা অর্জ্জুনগা, ইচাম্নুপী দ্রৌপদীগা তিন্নহনখিত্নুনা
য়াম্না পেনজবত্নু য়ারবরা ? তম্মু, ইবুঙো, ধৃষ্টদ্যুম্ন !
অশেংব অওইবতা তম্মুকো । ময়াম্মু ঙমত্নুনা, ইচাবু পুখিবা
করম্বা নিপানো মহাকতো ? বিচিত্রবীর্য্যগী মচাদো
কুরু শাগেগী অথোইবা, পাণ্ডু কৌবা মহাক্কী, মচাশিংবু হিংলিবরা ?
কুন্তীগী মচা অতোম্বা, অর্জ্জুন কৌবা মহাক্না লীকং পায়খত্নুনা লক্ষ্যবু
ককর্থিবদি নত্তেকো ? ॥১৮॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা স্বয়ম্বরগী মতুংদা ধৃষ্টদ্যুম্ন প্রত্যাগমন কৌবা চামগা মরিফুমঙা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

(পুরোহিতপা যুধিষ্ঠিরগা ভাদবা মতাং)

(চাম মঙ্গিয়ু তরুক শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ততস্তথোক্তঃ পরিহৃষ্টরূপঃ পিত্রে শশংসাথ স রাজপুত্রঃ ।
ধৃষ্টদ্যুম্নঃ সোমকানাং প্রবর্হো বৃত্তং যথা যেন হৃতা চ কৃষ্ণা ॥ ১ ॥

ধৃষ্টদ্যুম্ন উবাচ ।

যোঽসৌ যুবা ব্যায়তলোহিতাক্ষঃ কৃষ্ণাজিনী দেবসমানরূপঃ ।
যঃ কার্ম্মুকাগ্র্যং কৃতবানধিজ্যং লক্ষ্যঞ্চ যঃ পাতিতবান্ পৃথিব্যাম্ ॥ ২॥
অসজ্জমানশ্চ ততস্তরস্বী বৃতো দ্বিজাগ্র্যৈরভিপূজ্যমানঃ ।
চক্রাম বজ্রীব দিতেঃ সুতেষু সর্ব্বৈশ্চ দেবৈ ঋষিভিশ্চ জুষ্টঃ ॥ ৩ ॥
কৃষ্ণা প্রগৃহ্যাজিনমন্বয়াত্তং নাগং যথা নাগবধূঃ প্রহৃষ্টা ।
অমৃষ্যমাণেষু নরাধিপেষু ক্রুদ্ধেষু বৈ তত্র সমাপতৎসু ॥ ৪ ॥
ততোঽপরঃ পার্থিবসংঘমধ্যে প্রবৃদ্ধমারুজ্য মহীপ্ররোহম্ ।
প্রকালয়ন্নেব স পার্থিবৌঘান্ ক্রুদ্ধোঽন্তকঃ প্রাণভৃতো যথৈব ॥ ৫ ॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— দ্রুপদনা অঙ্গয়না লাংতক্লনা হায়রবদা সোমক শাইপেন্সী মিংথৌগী মচা ধৃষ্টদ্যুম্ননা মপাবুং নিংথৌগী মকয়না হেক উকবা তারবা পুমনমক মথংশিনমা তমখি, অদুগা দ্রৌপদীবু পুথুনা চৎখিবা মীদুগী মরমদা অঙ্গমনা অমুক হায়রকই ॥১॥ ধৃষ্টদ্যুম্ননা হায়—

লাওন শাংব ভাংলর, মিৎ অনিনা মাগী ওইর,   শক্তী মঙাল শেৎলিম স্বর্গগী লাইগা মদুব,
অচৌব লীকং পায়খদুনা, লীরি লময়ন হাপখিব,   পাখঙ মপুং কায়ব, মপানা যোইনা কায়না,
দেবর্ষি লাইয়াম খিবিরু কোয়শিনব ইন্দ্রনা   অদুগী শিং কায়ী মরক্ত, মথন্ত চংশিনখিবগুম
ব্রাহ্মণ মইপেনা কোয়রদুনা, তরাম তরাম তৌরুনা,   মথক্ত য়েংকবা মরক্ত নীংখারনা অকিপা
কয়কপ থাংগমরব কিংথৌশিংনা, অশাওবগী লোয়নুনা   তকলিনুবা ফাওবা, শাদু অসান্ন লাবনী
মতুং তপন ইনবগুম, দ্রৌপদীনা শজি মঙাল পুইনা,   অদুবরদুগী মতুং ইন চংখি ॥২—৪॥

অদুগী মশা মঙ ফরবা কয়বা নিপা অমনা, চাওরবা উপাম্বী অম যুক্তুনা, খুমেক্তুনা মনা শীথদুনা পায়রগা, জীবপানব পুম্ববু যমরাজনা নৈথংপগুম, অদুক য়াম্ব নিংথৌবু তকথায় তকথায়দুনা পাথংদুনা

তৌ পার্থিবানাং মিষতাং নরেন্দ্র ! কৃষ্ণামুপাদায় গতৌ নরাগ্র্যৌ ।
বিভ্রাজমানাবিব চন্দ্রসূর্য্যৌ বাহ্যাং পুরাদ্ভার্গবকর্ম্মশালাম্ ॥ ৬ ॥
তত্রাপবিষ্টার্চ্চিরিবানলস্য তেষাং জনিত্রীতি মম প্রতর্কঃ ।
তথাবিধৈরেব নরপ্রবীরৈরুপোপবিষ্টৈস্ত্রিভিরগ্নিকল্পৈঃ ॥ ৭ ॥
তস্যাস্ততস্তাবভিবাদ্য পাদাবুক্তা চ কৃষ্ণা ত্বভিবাদয়েতি ।
স্থিতাঞ্চ তত্রৈব নিবেদ্য কৃষ্ণাং ভিক্ষাপ্রচারায় গতা নরাগ্র্যাঃ ॥ ৮ ॥
তেষান্তু ভৈক্ষ্যং প্রতিগৃহ্য কৃষ্ণা দত্ত্বা বলিং ব্রাহ্মণসাচ্চ কৃত্বা ।
তাঞ্চৈব বৃদ্ধাং পরিবেষ্য তাংশ্চ নরপ্রবীরান্ স্বয়মপ্যভুঙ্‌ক্ত ॥ ৯ ॥
সুপ্তাস্তু তে পার্থিব ! সর্ব্ব এব কৃষ্ণা চ তেষাং চরণোপধানী ।
আসীৎ পৃথিব্যাং শয়নঞ্চ তেষাং দর্ভাজিনাগ্র্যাস্তরণোপপন্নম্ ॥ ১০ ॥
তে নর্দ্দমানা ইব কালমেঘাঃ কথা বিচিত্রাঃ কথয়াম্বভূবুঃ ।
ন বৈশ্যশূদ্রৌপয়িকীঃ কথাস্তা ন চ দ্বিজানাং কথয়ন্তি বীরাঃ ॥ ১১ ॥
নিঃসংশয়ং ক্ষত্রিয়পুঙ্গবাস্তে যথা হি যুদ্ধং কথয়ন্তি রাজন্ ! ।
আশা হি নো ব্যক্তমিয়ং সমৃদ্ধা মুক্তান্ হি পার্থান্ শৃণুমোঽগ্নিদাহাৎ ॥ ১২ ॥

লেন্দুনা তুংইমখি ॥৫॥ পাকুং মহারাজ। হায়রিবা বাররা নিপা অনিহনা নিংথৌশিংদুগী মবাংবক্তদা, দ্রৌপদীবু পুক্তেম্বহনা তুশিং থা অনিগী মর্তৌগুম মলেক মতাম নীংথিজে ; মতৌ অতুম দ্রৌপদীবু পুখিতুনা নগরগী অপান্দ লৈবা ভার্গব কৌবা কমাওবা চক্রশাব নিপা অমগী য়ুমদা চংখি ॥৬॥ য়ুম অতুদা মৈরীগী মতৌগুম মাগী তেজনা ভাসবী কনাগুম্বী মুপী অহল অম কময়ুনা তুমিন লৈরম্মি। মহাক অহু অকনবশিং অহগী অপোকপী মমাবা হায়না থস্থে। মরমদি, অয়ুবরদা লাল শুমখিবা অকনব অনিতুগা মাজনা মতিক মগুণ লৈরবা, মৈগী মতৌগুম তেজ লৈরবা অকনবা অহুম কোয়শিন্দুনা কময়ুনা লৈরম্মি ॥৭॥ অহুদগী, লালভবা অকনবা নিপা অনি অমুনা দ্রৌপদীগা লোয়ননা চংলক্‌নুনা মুপী অদুদা চংশিনলক্‌নুনা খুরুম্মি অদুগা দ্রৌপদীদসু— "মহাকমু খুরুম্মু" হায়না হায়। দ্রৌপদীনা মুপীমুদ খুরুমলা মনাক্ত লেপ্লুনা লৈ, মরম পুম্বা হায়রমলগা মকোয়গী মপুংদা অরিদি ভিক্ষা নিব চংখি ॥৮॥ মখোয় অহু ভিক্ষা মিহনা পুরকই, অহুদগী হনুবীহনা মাহু পুমমক খোংগাংলে, অহুগী তুংদা দ্রৌপদীনা চাক য়েংথাং অহু শীন্দুনা অহানবদা দেবতা অমসুং ব্রাহ্মণগী শরুক তমগা, হনুবী অদুবু অহুগা অকনবাশিং অহবু পীজরগা কোক্কদ মহাকমু চায় ॥৯॥ মহারাজ! অহগী তুংদ, মখোয়শিং অহু হীপখি, দ্রৌপদীনা মখোয়গী খুয়াদা থোং-থমনবা মোলগুম লৈখি। লৈমায় মথক্তা কমথাই, অহানবদা কুশ মনা শজোক্‌নুনা থারগা, অহুগী মথক্ত শাজী মউল অমুক থাই ॥১০। অহুগী তুংদা মখোয়না লোংগী মতৌগুমনা নুমলবা নেমলবা খোঞ্জেলনা মথল মথা অয়াম বিষয়দা ব্বারী শায়রকই। মখোয়না শাত্ররিবা বিষয়শিং অদুদি ব্রাহ্মণ, বৈশ্য অমসুং শূদ্রশিংনা শায়গদবা থমগদবা অমত্তা য়াওদে ॥১১॥ মখোয়না শাত্ররিবা ব্বারী য়াত্তাই অমুক তাবদা, অপোংব ক্ষত্রিয়দি লোয়দনা

যথা হি লক্ষ্যং নিহতং ধনুশ্চ সজ্যং কৃতং তেন তথা প্রসহ্য।
যথা চ ভাষন্তি পরস্পরং তে ছন্না ধ্রুবং তে প্রচরন্তি পার্থাঃ ॥ ১৩ ॥
ততঃ স রাজা দ্রুপদঃ প্রহৃষ্টঃ পুরোহিতং প্রেষয়ামাস তেষাম্।
বিদ্যাম যুষ্মানিতি ভাষমাণো মহাত্মানঃ পাণ্ডুসুতাঃ স্থ কচ্চিৎ ॥১৪॥
গৃহীতবাক্যো নৃপতেঃ পুরোধা গত্বা প্রশংসামভিধায় তেষাম্।
বাক্যং সমগ্রং নৃপতের্যথাবদুবাচ চানুক্রমবিক্রমেণ ॥১৫॥
বিজ্ঞাতুমিচ্ছত্যবনীশ্বরো বঃ পাঞ্চালরাজো বরদো বরার্হাঃ।
লক্ষ্যস্য ভেত্তারমিমং হি দৃষ্ট্বা হর্ষস্য নান্তং প্রতিপদ্যতে সঃ ॥১৬॥
আখ্যাত চ জ্ঞাতিকুলানুপূর্বীং পদং শিরঃসু দ্বিষতাং কুরুধ্বম্।
প্রহ্লাদয়ধ্বং হৃদয়ং মমেদং পাঞ্চালরাজস্য চ সানুগস্য ॥১৭॥
পাণ্ডুর্হি রাজা দ্রুপদস্য রাজ্ঞঃ প্রিয়ঃ সখা চাত্মসমো বভুব।
তস্যৈষ কামো দুহিতা মমেয়ং স্নুষা যদি স্যাদিহ কৌরবস্য ॥১৮॥
অয়ং হি কামো দ্রুপদস্য রাজ্ঞো হৃদি স্থিতো নিত্যমনিন্দিতাঙ্গাঃ।
যদর্জ্জুনো বৈ পৃথুদীর্ঘবাহুর্ধর্ম্মেণ বিন্দেত সুতাং মমৈতাম্ ॥১৯॥

ওইরে তাই। অদু ওইরবদি ঐখোয়গী নীংবসু থুংলে। মরমদি ঐখোয়না অসুম নিংফুং নিংফুং তাবসু পাণ্ডবশিং অহু য়ুম মৈ চাকপদগী নাম্থোক্লুনা হিংহৌখ্রবনি হায় ॥১২॥ অহুগা মপাঙ্গল কল্লবা পাখং অহুনা মপাঙ্গল মথৌনাংনা নমহুনা লীকংদা লীরি হাপ্লুনা লক্ষ্য ককখিবা, অহুগা শাদোক্লরক্লিবা ঋারী ঋাতাই অহগা লালগী মরমতদ ভাংনরকপা, অসিনচিংবসি অসুম খল্লুসদা মথোয় অসি শোয়দনা পঞ্চ-পাণ্ডব ওইব তাই, লোম থুপন ব্রাহ্মণ শাহুনা কোয়চৎ চৎলিব ওইরম্বা তারে ॥১৩॥ মাসি তাবদা, দ্রুপদ নিংথৌনা থোইদোক্ল হরাওখ্রদুনা মথোয়গী মফমদা পুরোহিত থাহনা হংহল্লগে হায়না খন্দুনা পুরোহিতপু কৌরগা অসুম হায়রকই— "চৎপিক পুরোহিত! ময়ামগী পরিচয় অমতং খংজনীংই, ময়াম অসিবু মহারাজ পাণ্ডুগী মচারা? অসুম হায়না হংজরকই হায়রুচো" ॥১৪॥ অদুদগী রাজ পুরোহিত অহুনা নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্ন মফম অদু তাম চৎখিহনা, মথোয়গী মতিক মগুণ অহু শঙ্ক শোল্ল শোল্লহনা ঋা পুন্নমক অহু হায়করে হংলুরে ॥১৫॥ পুরোহিতনা হায়রকই— মহাশয় পুন্নমক তাবিয়ু! ময়ামগী নীংব থুংহল্লবা পাঞ্চাল নিংথৌনা ইবুঙো খোয়গী পরিচয় অমতং খংনীংঙি। কন্নিনা হায়বদা লক্ষ্য ককখিব পাখং অহু উবদা নিংথৌগী নুংঙাইবগী ওমথৈ লৈখিদ্রে ॥১৬॥ ইবুঙো খোয়গী শাগৈ জাৎ গোত্র মথংশীংনা অমুক্ত হায়বিয়ু, য়েক্লবশিংগী মকোক্ত খোংনা নেৎপ ঙক ওইবিয়ু, ঐবু অমদি মনাই মশলগা লোয়ননা পাঞ্চাল নিংথৌবু পরিচয় তাক্লুনা অমুক্ত নুংঙাইহল্লু ॥১৭॥

মমাংঙৈদা পাল্লবা পাণ্ডু হায়বা নিংথৌ অহু পাঞ্চাল নিংথৌ দ্রুপদগী খম্মোয় অমতা ওইনা তিন্নরবা মরূপনি। মরম অহুনা থাজৈশেংনা পাঞ্চাল নিংথৌনা পামলম্বদি মচানুপী দ্রৌপদীনা পাণ্ডুনিংথৌমগী মমৌনুপী ওইবা অসিনি ॥১৮॥ য়েংবদা অঙ্গাংপা লৈভনা ফজরবা পাখংনা!

কৃতং হি তৎ স্যাৎ সুকৃতং মমেদং যশশ্চ পুণ্যঞ্চ হিতং তদেতৎ।
অথোক্তবাক্যং হি পুরোহিতং স্থিতং ততো বিনীতং সমুদীক্ষ্য রাজা ॥২০॥
সমীপতো ভীমমিদং শশাস প্রদীয়তাং পাদ্যমর্ঘ্যং তথাস্মৈ।
মান্যঃ পুরোধা দ্রুপদস্য রাজ্ঞস্তস্মৈ প্রযোজ্যাভ্যধিকা হি পূজা ॥২১॥
ভীমস্ততস্তৎ কৃতবান্ নরেন্দ্র! তাঞ্চৈব পূজাং প্রতিগৃহ্য হর্ষাৎ।
সুখোপবিষ্টন্তু পুরোহিতং তদা যুধিষ্ঠিরো ব্রাহ্মণমিত্যুবাচ ॥২২॥
পাঞ্চালরাজেন সুতা নিসৃষ্টা স্বধর্ম্মদৃষ্টেন যথা ন কামাৎ।
প্রদিষ্টশুল্কা দ্রুপদেন রাজ্ঞা সা তেন বীরেণ তথানুবৃত্তা ॥২৩॥
ন তত্র বর্ণেষু কৃতা বিবক্ষা ন চাপি শীলে ন কুলে ন গোত্রে।
কৃতেন সজ্যেন হি কার্ম্মুকেণ বিদ্ধেন লক্ষ্যেণ হি সা বিসৃষ্টা ॥২৪॥
সেয়ং তথানেন মহাত্মনেহ কৃষ্ণা জিতা পার্থিবসংঘমধ্যে।
নৈবং গতে সৌমকিরদ্য রাজা সন্তাপমর্হত্যসুখায় কর্ত্তুম্ ॥২৫॥

পান্থোম চাও শাংলবা অর্জ্জুননা ক্ষত্রিয় ধর্ম্মগী মতুংইন্না ঐগী ইচানুপী অসিদা লৌবিখ্রবদি ওন্থোক্লা মুংঙাইথ্রনিদকো হায়না অহিং মুংথিন্দা মাসিতনা লাইনীং ওইদুনা লৈখ্রবনিদো ॥১৯॥ মহারাজ দ্রুপদনা হৌজিক ফাওবা নীংঙমহৌদনা খন্দুনা লৈরিবা হায়ববু—"অর্জ্জুন কৌবা নিপা অদুদা ঐনা ইচানুপী অসি দান তৌবা ঙমজরবদি ওনথোকনা কখ্রনিদকো—মাদুম তৌরবদি ঐগী পুণ্য মিংচৎ অমদি মঙ্গল লোইনা হেক ওইগনিদকো" অসিতনি। বা অসি হায়রগা পুরোহিতনা তুমিন লৈখ্রবা কান্দা মঙোন্দা য়েংলগা যুধিষ্ঠিরনা ভীমদা যাথং পীরকই—ইবুঙো! রাজপুরোহিত অসিগী সেবা লাংবা অমদি অচা-থক খিবিক্কা লোযননা সেবা শোয়দনবা তৌ। মরমদি দ্রুপদ মহারাজগী রাজ পুরোহিত ও'রবদি ঐখোয়গীদি খোইদোক-হেন্দোক্লা পুজা তৌফমনি। অদুনা রাজপুরোহিত অসিগী পূজা তৌবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি ॥২০—২১॥ মহারাজ জন্মেজয়! ময়াম্বগী য়াথং মতুং ইন্না বিধি কাগদনা ভীমনা পুরোহিত ব্রাহ্মণ অদুগী সেবা নীংথিনা তৌখি। কৎলিবা পুজাগী পোৎ-চৈ অদু হরাও হরাং লৌরগা পুরোহিত অদু মুংঙাইনা ফমথখি, ফমলবা তুংদা যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই ॥২২॥ তাবিয়ু, মহাশয়! দ্রুপদ নিংথৌনা মচানুপীবু ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্মগী মতুংইন্না দান তৌনীংবনি, অপাম্বা ঙাক্তনমু নত্তে। করিগুম্বা থবক অমা তৌবা ঙম্বা অকনবা অমদা পীগনি—অসুম হায়না থানদুনা তৌখৎিবা থবক অদুদা অকনবা নিপা অসিনমু নিয়ম অদুগী মতুংইন্না তৌথিবদনি ॥২৩॥ অসিদি চায়রদনা, দ্রুপদ নিংথৌনা পাম্বদি শাগৈ জাৎ লমচৎ ব্যবহার করিমত্তা নত্তে, অমনা ওইরবসু অমনা' ওইরবসু লীকং অদুবু পায়থত্তুনা, লারি হাপ্তুনা তেঙ্গা খোংদুনা লক্ষ্য অদুবু ককপা ঙম্বা মীশক অদুতদা কন্যাদান তৌনীংলম্মি ॥২৪॥ পুরুচেল চাওরবা, কন্নবা ব্রাহ্মণ অসিনা নিংথৌ ময়ামবু ঙমদুনা, লক্ষ্য কক্তুনা দৌপদীবু মংখরবনি। অসিগীদমক নিংথৌ দ্রুপদনা ঐখোয়মু মুংঙাইহন্নবগীদমক, মহাক্কী নীংঙমহৌদবগী বা অদু থক কোংদোকপীরক্লোই-

কামশ্চ ক্রোধশ্চৌ ত্বশমস্থ স্বামঃ ন চাপি সম্পাৎস্যতি পার্থিবস্ত।
তস্রাপ্যমূপাং হি নরেন্দ্রকন্যামিমামহং ব্রাহ্মণ! সাধু মন্যে ॥২৬॥
ন তস্বদূর্যনবলেন শক্যং যৌর্য্যা সমাযোজয়িতুং তথা হি।
ন চাকৃতাস্ত্রেণ ন হীনজেন লক্ষ্যং তথা পাতয়িতুং হি শক্যম্ ॥২৭॥
তস্মান্ন তাপং দুহিতুর্নিমিত্তং পাঞ্চালরাজোঽর্হতি কর্ত্তুমগ্ন।
ন চাপি তৎপাতনমন্যথেহ কর্ত্তুং হি শক্যং ভুবি মানবেন ॥২৮॥
এবং ব্রুবত্যেব যুধিষ্ঠিরে তু পাঞ্চালরাজস্য সমীপতোঽন্যঃ।
তত্রাজগামাশু নরো দ্বিতীয়ো নিবেদয়িষ্যন্নিহ সিদ্ধমন্নম্ ॥ ২৯ ॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বৈবাহিকে
পুরোহিতযুধিষ্ঠিরসংবাদে ষড়শীত্যধিকশততমোঽধ্যায় ॥০॥

দবনি, অদুগা হৌজিক মাহাক্কী অনুতাপ তৌবা চুমদে ॥২৫॥ অদুগা নিংথৌ দ্রুপদগী নীংবদুদু থুংগনি, অদুগা নিংথৌগী মচানুপী শিরুদু হিজম পুমবদা এথৌয়না কংকম ইথোক্তা লোকতুনা লৈরিবনি ॥২৬॥ অরমদি লীরুং অসিদা লীরি হাপ্পা অনিমক মপাজল লোমবা অমনা থক তুম্ব-রোইদবনি, অদুগা ম্যাসি পায়দুনা লক্ষ্য ককপা অমসুং মাহবু লৈমায় থক্তা থাদবা হায়বদি খুৎলায় মুম্না তমদ-হৈত্তবা অদুগা অতোনবা অাত্তিদা পোকপা কনাগুমবা অমনা তমকত্রবনি ॥২৭॥ অদুনা দ্রুপদ নিংথৌনা মচানুপী কন্যা অমিগীদমক থক অনুতাপ তৌকম থোক্তে। অরমদি নিপা অসি নত্তনা অপমকী মপুৎনা লক্ষ্য অদুবু কক্তুনা থাদবা কনাম্ব ওথোক্তই ॥২৮॥ যুধিষ্ঠিরনা অসুম হাং-লিরৈ অমতদা, নিংথৌ দ্রুপদগী মকমদগী নিপা অমা লাক্তুনা "চাক লোইরে" হায়বা তাকে হায়দুনা লাককই ॥২৯॥

অতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোকলিশিং চাননা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা অমসুম-বিবাহকী মপুংদা পুরোহিত যুধিষ্ঠিরসংবাদ-দা চাগগা মরিফুতরক শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম্

(যুধিষ্ঠিরনচিংরবু পরীক্ষা তৌডুনা য়েংবগী বারী)

(চামা মম্রিফুতরেং শুবা অধ্যায়)

—:(০):—

সূত উবাচ।

জন্যার্থমন্নং দ্রুপদেন রাজ্ঞা বিবাহহেতোরুপসংস্কৃতম্।

তদাপ্লুবধ্বং কৃতসর্ব্বকার্য্যাঃ কৃষ্ণা চ তত্রৈব চিরং ন কার্য্যম্ ॥ ১ ॥

ইমে রথাঃ কাঞ্চনপদ্মচিত্রাঃ সদশ্বযুক্তা বসুধাধিপার্হাঃ।

এতান্ সমারুহ্য পরৈত সর্ব্বে পাঞ্চালরাজস্য নিবেশনং তৎ ॥ ২ ॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ প্রয়াতাঃ কুরুপুঙ্গবাস্তে পুরোহিতং তং পরিযাপ্য সর্ব্বে।

আস্থায় যানানি মহান্তি তানি কুন্তী চ কৃষ্ণা চ সহৈকযানে ॥ ৩ ॥

শ্রুত্বা তু বাক্যানি পুরোহিতস্য যান্যুক্তবান ভারত! ধর্ম্মরাজঃ।

জিজ্ঞাসয়ৈবাথ কুরুত্তমানাং দ্রব্যাণ্যনেকান্যুপসংজহার ॥ ৪ ॥

ফলানি মাল্যানি চ সংস্কৃতানি বর্ম্মাণি চর্ম্মাণি তথাসনানি।

গাশ্চৈব রাজন্নথ চৈব রজ্জুর্বীজানি চান্যানি কৃষীনিমিত্তম্ ॥ ৫ ॥

নিংথৌগী দূতনা লাকতুনা হায়খি—মহাশয় পুন্নমক তাবিয়ু, দ্রুপদ মহারাজনা মচা ইবেম্ম লুহোংবা লোইবগী বরকন্যা অনিমক্কী কাংলুপপু পীজনবা চাক-য়েঙ্গাং অথুম অহাও পুন্নমক প্রাতঃস্নান-নচিংবা নিত্যকর্ম্ম পুন্নমক লোইরগা মকম অঙ্গদা চাথক্নবা তৌবিক; অদুগা মচাইবেম্ম দ্রৌপদীবুসু পুবিরকউ, থীনবা তৌবিনু ।।১।। সনাগী থমবাল মবেক হংপা, কজরবা মীংখিবা সগোল নচিংবা, নিংথৌতনা তোংগদবা ওইবা বথ তকক অসি পুজরক্নি, ময়াম পুমনমক মাসিদা কমমম তোংথরক্নিগা পাঞ্চাল নিংথৌগী মকম তাম্না লেংবিরকউ ।।২।। বৈশম্পায়ননা হায়—অসিগী তুংদা, পুরোহিত অতুবু হায়না থাথরগা যুধিষ্ঠিরনচিংবা পুমনমক কজ কজরবা রথাশং অন্তদা তোংলগা পাঞ্চাল নিংথৌগী কোন্নুং তায়া চংখি, কুন্তীগা দ্রৌপদীগনা রথ অমদা পূন্নগ তোংতি ।।৩।। জন্মেজয় মহারাজ! যুধিষ্ঠিরনা হায়রকপা ঋা পুন্নমক অহ পুরোহিতকী মচীন্দগী তাবদা অসোমদা দ্রুপদ নিংথৌনা মথোয়বু মীশক যুম্না থংহোগে হায়দুনা অচাপোংমচিংবা মখল মথা অমাথা মথোয়দা পীগদবা পোংচৈ পুন্নমক তোঙাল-তোঙানা থারলোকতুনা থমখি ।।৪।। মকম অমদনা উটৈশ্বাইহ তৈলযক কজ-কজরবা মকম অমদনা চুংগোর্ট্য কাংভা লাদর্নী কীজোল দোলাই অসিনচিংবা; অতোপা-অমক মাচৈ অমমদা লৌবোমবা বথ ইরোই, কাজল যৌরী অমন্নুং মথল মথা অমাথা মরুপরক অমমদা তোঙাল-তোঙাল থখি ।।৫।।

অঙ্গেষু শিল্পেষু চ যান্যপি স্যুঃ সর্ব্বাণি কৃত্স্নান্যখিলেন তত্র।
ক্রীড়ানিমিত্তান্যপি যানি তত্র সর্ব্বাণি তত্রোপজহার রাজা ॥ ৬॥
বর্ম্মাণি চর্ম্মাণি চ ভানুমন্তি খড়্গা মহান্তোঽশ্বরথাশ্চ চিত্রাঃ।
ধনূংষি চাগ্র্যাণি শরাশ্চ মুখ্যাঃ শক্ত্যৃষ্টয়ঃ কাঞ্চনভূষণাশ্চ ॥৭॥
প্রাসা ভুষুণ্ড্যশ্চ পরশ্বধাশ্চ সাংগ্রামিকঞ্চৈব তথৈব সর্বম্।
শয্যাসনান্যুত্তমসংস্কৃতানি তথৈব বাসো বিবিধঞ্চ তত্র ॥৮॥
কুন্তী তু কৃষ্ণাং পরিগৃহ্য সাধ্বীমন্তঃপুরং দ্রুপদস্যাবিবেশ।
স্ত্রিয়শ্চ তাং কৌরবরাজপত্নীং প্রত্যর্চ্চয়ামাসুরদীনসত্ত্বাঃ ॥৯॥
তান্ সিংহবিক্রান্তগতীন্ নিরীক্ষ্য মহর্ষভাক্ষানজিনোত্তরীয়ান্।
গূঢ়োত্তরাংসান্ ভুজগেন্দ্রভোগ প্রলম্ববাহূন্ পুরুষপ্রবীরান্ ॥১০॥
রাজা চ রাজ্ঞঃ সচিবাশ্চ সর্বে পুত্রাশ্চ রাজ্ঞঃ সুহৃদস্তথৈব।
প্রেষ্যাশ্চ সর্ব্বে নিখিলেন রাজন্। হর্ষং সমাপেতুরতীব তত্র ॥১১॥
তে তত্র বীরাঃ পরমাসনেষু সপাদপীঠেষ্ববিশঙ্কমানাঃ।
যথানুপূর্বং বিবিশুর্নরাগ্র্যাস্তথা মহার্হেষু ন বিস্ময়ন্তঃ ॥১২॥
উচ্চাবচং পার্থিবভোজনীয়ং পাত্রীষু জাম্বুনদরাজতীষু।
দাসাশ্চ দাস্যশ্চ সুমৃষ্টবেশাঃ সম্ভোজকাশ্চাপ্যুপজহ্রুরন্নম্ ॥ ১৩ ॥

মতম অদুগী চৎনরম্ব খুৎশা হৈবগী থবক্কী মচৈ মপোৎ, শান্নবা মচৈ মপোৎনচিংব পুন্নমক দ্রুপদ নিংথৌনা মখোয়দা মনা মথেল ওইন পীনবা থৌরাং তৌদুন থমখি ॥৬॥ লংলব থাং তা চুংগোঙ্গ, লালগী য়োৎকী কুরিৎ, মথল মখা অয়াম্ব সগোল অমদি দোলাই (রথ) ফম ফরবা লীকং ফম ফরবা তেল অদুগা শনানা মখোক খুৎ পায়ফমদা হৎলবা শাংলবা থৌরব তানচিংব লংলবা খুৎলায় কয়া থেন্দুনা থমখি ॥৭॥ লাংজা মচীল শাব, ক্বাক মচীল শাবা, শীংজং ময়া শাব, লালগী খুৎলায় কয়া অমম্তুং ফজরবা মমল য়ামলবা ফমুং আসন, মথল মখা অয়াম্ব ফিরোল থেনদুনা থমখি ॥৮॥ অসোমদা কুন্তীনা দ্রৌপদীবু পুদুনা অন্তঃপুর মনুংদ চংখি, মতম অদুদা মফম অদুদা লৈরম্বী স্নুপী নহাশিংন য়াম্না তরাম তরামনা থৌরাই য়াওনা ওকখি, সেবা লাংবা তৌখি ॥৯॥ অসোমদা পাণ্ডবশিংগী মতিক মগুণ মথৌনা চৈব থংহনবা, নোংশাগী শাজৎ খোংথাং, মমিৎ অনি অনিন য়ৌণ লাবগী মতৌগুম্না কোয়রাওনবা, শক্তী মচৈ শেৎপ ফিজেৎ, ইনফি অদুনা কুপলিবা পাক চাওরবা ফজরবা লেংবান, মপাম্নোম ভাবশিং অদুনা চাওরবা লিলগী মশাগুমনা শাংলবা ভিংলবা, অসি পুন্নমক উবদা, দ্রুপদ, মহাকী মন্ত্রীশিং, মচামচা শাগৈ নাতৈ, মরূপ মপাং মনাই [illegible] পুমনমক্কা পেনখি নুংঙাইখি ॥১০—১১॥ [illegible] অমম্তুং নিপাগী মহুংদা অথোইব পাণ্ডবশিংনা [illegible], চিংনবা অকিব লৈতনা খোংথাকম [illegible], মমাল য়াম্বা আসনশিং অমদা অহল মহা মথং মনাও য়াইন ফমখি, নিংথৌগী শনা লুপা [illegible] করিমতা ওকপিদে, থোইদোক্না থৌওইবা মিহৌনা য়েংদে ॥১২॥ অতগী তুংদ, [illegible] মীনায়

তে তত্র ভুক্ত্বা পুরুষপ্রবীরা যথাত্মকামং সুভৃশং প্রতীতাঃ।
উৎক্রম্য সর্বাণি বসূনি রাজন্! সাংগ্রামিকং তে বিবিশুর্নৃবীরাঃ ॥১৪॥
তল্লক্ষয়িত্বা দ্রুপদস্য পুত্রো রাজা চ সর্বৈঃ সহ মন্ত্রিমুখ্যৈঃ।
সমর্থয়ামাসুরুপেত্য হৃষ্টাঃ কুন্তীসুতান্ পার্থিব! রাজপুত্রান্ ॥ ১৫ ॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
বৈবাহিকে যুধিষ্ঠিরাদিপরীক্ষণে সপ্তাশীত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—(*)—

নিপা মুপীশিংনা অমসুং পুজারিশিংনা শনা লুপাতনা শারবা পাত্রদা নিংথৌভনা চাগদবা, চাবভব্বা মখল মখা অয়াম্ব অচাপোৎ অথুম অহাও য়েল্লক্লে ॥১৩॥ পাণ্ডবশিংনা মান-মান চাগদবা পুষ্পমক অদু চারগা য়াম্না পেল্লে মুংঙাইরে, অদুদগী মখল মখা অয়াম্ব পোৎচৈ থম্লিবদু য়েংলমদনা থুৎশু থুৎলায় ময়াম থমলিবা য়ুম অদোমদা চংখি ॥১৪॥ অদু উবদা দ্রুপদ নিংথৌগী মচাশিংনা অমসুং অচৌ অচৌবা মন্ত্রীশিংগা লোয়নরবা দ্রুপদ নিংথৌনা য়ামনা মুংঙাইখিদুনা মখোয়গী মনাক্ত চংশিনখিদুনা মখোয়বু কুন্তী অমসুং পাণ্ডুগী মচাশিং শোয়দনা ওইগদমাল্লে হায়না মপুকনিংদা লেপখি ॥১৫॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা বিবাহগী মতুংদা যুধিষ্ঠিরনচিংববু পরিক্ষা তৌবগী চাপগা মরিফুতরেৎ শুখা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

(বেদ ব্যাস লাকপগী বারী)

(চামা মরিফুশিপাল শুবা অধ্যায়)

—:(●):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তত আহুয় পাঞ্চাল্যো রাজপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্। পরিগ্রহেণ ব্রাহ্মেণ পরিগৃহ্য মহাদ্যুতিঃ ॥ ১ ॥
পর্য্যপৃচ্ছদদীনাত্মা কুন্তীপুত্রং সুবর্চসম্। কথং জানীম ভবতঃ ক্ষত্রিয়ান্ ব্রাহ্মণানুত ॥ ২ ॥
বৈশ্যান্ বা গুণসম্পন্নানুথবা শূদ্রযোনিজান্। মায়ামাস্থায় বিপ্রাংশ্চরতঃ সর্ব্বতো দিশম্ ॥ ৩ ॥
কৃষ্ণাহেতোরনুপ্রাপ্তা দেবাঃ সন্দর্শনার্থিনঃ। ব্রবীতু নো ভবান্ সত্যং সন্দেহো হ্যত্র নো মহান্ ॥৪॥
অপি নঃ সংশয়স্যান্তে মনঃ সন্তুষ্টিমাবহেৎ। অপি নো ভাগধেয়ানি শুভানি স্যুঃ পরন্তপ ! ॥ ৫ ॥
ইচ্ছয়া ব্রূহি তৎ সত্যং সত্যং রাজসু শোভতে। ইষ্টাপূর্ত্তেন চ তথা বক্তব্যমনৃতং ন তু ॥ ৬ ॥
শ্রুত্বা হ্যমরসঙ্কাশ ! তব বাক্যমরিন্দম ! । ধ্রুবং বিবাহকরণমাস্থাস্যামি বিধানতঃ ॥৭॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

মা রাজন্ ! বিমনা ভূস্ত্বং পাঞ্চাল্য ! প্রীতিরস্তু তে। ঈপ্সিতস্তে ধ্রুবঃ কামঃ সংবৃত্তোঽয়মসংশয়ম্ ॥ ৮ ॥
বয়ং হি ক্ষত্রিয়া রাজন্ ! পাণ্ডোঃ পুত্রা মহাত্মনঃ। জ্যেষ্ঠং মাং বিদ্ধি কৌন্তেয়ং ভীমসেনার্জ্জুনাবিমৌ ॥৯॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগী তুংদ, দ্রুপদ নিংথৌনা যুধিষ্ঠিরবু কৌশিন্দুনা মকম চানা পুশিন-খিহনা ব্রাহ্মণগী মতিক চাবা ব্যবহার সম্মান উত্তুনা য়াম্না হরাওনা হংলকই— ময়াম অসিবু ব্রাহ্মণলা ? নত্রগা ক্ষেত্রিয়রা ? নত্রগা গুণ চেন্নবা বৈশ্য নত্রগা শূদ্ররা ? ময়াম্বু করম্ব ওইনা খংজো হায়বগে ? নত্রগা ব্রাহ্মণমক ওইরম্বসু য়াই ; অদুদা ময়া তৌহনা মীবু খংহন্দনা মায়কৈ মরিমক্তা কোয়চৎ চৎপিরি মাল্লে ॥১— ॥ অদুগা দেবতা ওইরবা ময়ামনসু দ্রৌপদীবু য়েংগে হায়না লাকপিরি ; মরম অহনা অচুম্ব অহম হায়বিয়ু, বিষয় অসিদা ঐখোয় ময়াম্না চিংনরে ॥৪॥ চিংনরিবসি কোক্রবদা ঐখোয়গী নীংবা থুংগদৌরিবরা ? ঐখোয়গী লাইবক ফব হায়বদু ওইগদৌরিবরা ? ॥৫॥ চানবিদুনা অচুম্বদু হায়বিয়ুগবা, রাজ সভাদা অমদি নিংথৌশিংগী মফমদদি অচুম্ব হায়দোকপগনা নীংখিজবা কজবা কায়বদু ওইনরিবনি। যাগ-যজ্ঞ ধর্ম্ম কর্ম্ম পুন্নমক তৌবদা অমসুং পূর্ত্ত শুহানচিংবা তৌবদা অমদি হিরম পুন্নমক্তা অচুম্ব ওইবতা হায়দোকদবনি, অরানবা ওইদবা থক হায়ব য়াদে ॥৬॥ দেবতাগা মান্নবা ! নখোয় পুন্নমকী অশেংবা অচুম্ব বা তাজরগা শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা দ্রৌপদীগী বিবাহগী থবক পুন্নমক পাংথোকচগে ॥৭॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়— মহারাজ ! করিমতা বাকিরুগনু। নুংঙাইবিয়ু। ঘরমদি নমাংঙৈগী মহারাজনা নীংখিরকপ পুম্ব থুংলে ॥৮॥ মরমদি ঐখোয় ক্ষত্রিয়নি ; মহাত্মা ওইরবা

আভ্যাং তব সুতা রাজন্! নির্জ্জিতা রাজসংসদি।
যৌ চ যত্র কুন্তী চ যত্র কৃষ্ণা ব্যবস্থিতা ॥ ১০ ॥

ব্যেতু তে মানসং দুঃখং ক্ষত্রিয়ঃ স্যো নরর্ষভ!
পদ্মিনীব প্রভেয়ং তে দ্রুপদস্য গৃহং গতা ॥ ১১ ॥

ইতি তথ্যং মহারাজ! সর্ব্বমেতদ্ব্রবীমি তে।
ভবান্ হি গুরুরস্মাকং পরমঞ্চ পরায়ণম্ ॥ ১২ ॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ স দ্রুপদো রাজা হর্ষব্যাকুললোচনঃ।
প্রতিবক্তুং তদা যুক্তং নাশকত্তং যুধিষ্ঠিরম্ ॥ ১৩ ॥

যত্নেন তু স তং হর্ষং সন্নিগৃহ্য পরন্তপঃ।
অনুরূপাং ততো বাচং প্রত্যুবাচ যুধিষ্ঠিরম্ ॥ ১৪ ॥

পপ্রচ্ছ চৈনং ধর্ম্মাত্মা যথা তে প্রদ্রুতাঃ পুরাৎ।
স তস্মৈ সর্ব্বমাচখ্যাবানুপূর্ব্ব্যেণ পাণ্ডবঃ ॥১৫॥

তচ্ছ্রুত্বা দ্রুপদো রাজা কুন্তীপুত্রস্য ভাষিতম্।
বিগর্হয়ামাস তদা ধৃতরাষ্ট্রং নরেশ্বরম্ ॥ ১৬ ॥

আশ্বাসয়ামাস চ তং কুন্তীপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্।
প্রতিজজ্ঞে চ রাজ্যায় দ্রুপদো বদতাং বরঃ ॥১৭॥

ততঃ কুন্তী চ কৃষ্ণা চ ভীমসেনার্জ্জুনাবপি।
যমৌ চ রাজ্ঞা সন্দিষ্টং বিবিশুর্ভবনং মহৎ ॥ ১৮ ॥

তত্র তে ন্যবসন্ রাজন্! যজ্ঞসেনেন পূজিতাঃ।
প্রত্যাশ্বস্তস্ততো রাজা সহ পুত্রৈরুবাচ তম্ ॥ ১৯ ॥

গৃহ্নাতু বিধিবৎ পাণিমদ্যায়ং কুরুনন্দনঃ।
পুণ্যেঽহনি মহাবাহুরর্জ্জুনঃ কুরুতাং ক্ষণম্ ॥ ২০ ॥

পাণ্ডু নিংথৌগী মচা ঙাকনি। মচাশিং অতুগী মনুংদা ঐনা কুন্তী দেবীগী মচা নিপা অহুম্, মখোয় অসিনা ভীম অমদি অর্জ্জুননি ॥৯॥ মখোয় অনি অসিনা রাজসভাদা মহারাজগী কন্যাবু জয় তৌখিবনি অহগা অহানবদা কুন্তীনা অমসুং অতগী তুংদা দ্রৌপদীনা চংখিদুনা লৈবা মফম অদুদা লৈবা অনি অদুনা নকুল সহদেবনি ॥১০॥ মীথোই মিহেনব! পুক্নিংদা করিমত্তা য়াম্মিক্নু, ঐখোয় ক্ষত্রিয়নি। পুখ্রী অমগী কুক্না পুখ্রী অমদা থাব থজালগুম মহারাজগী কন্যা অসিসু নিংথৌ অমগী মফমদী অতোপ্পা নিংথৌ অমগী যুমদা চংখ্রবনি হায়না খংবিয়ু ॥১১॥ মহারাজ! মহারাজদা হায়জরিব পুম্নমক অচুম্বনি; মরমদি মহারাজদি ঐখোয়গী গুরু হায়বদু ওইরবনি, অমসুং ঐখোয়গী চৎনবগী ওইরবনি ॥১২॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— যুধিষ্ঠিরগী ৱা তাবদা দ্রুপদ নিংথৌগী মিৎ অনি নুংঙাইবনা অরানি পুংশি পুক্নিংনা ঋশ্লাবনা থবখিদুনা কুপ্তুনা যুধিষ্ঠিরদা ওবশিন্দুনা লৈখি পুক্নিং থংনা যুধিষ্ঠিরগোদনা হোংদুনা লৈখি ॥১৩॥ তদুগা লৈরগা, য়াম্না কণ চোকশিনা নুংঙাইব অতকপগী হৌরকপা থৌওম থিন্দুনা যুধিষ্ঠিরগী মফমদা হায়রকই ॥১৪॥ অদুগী তুংদ, পাণ্ডবশিংনা চাগী মফমগী অতো থানা লাক্লকপা লৈনুংদগী থিংখিবা অসিনচিংবা থৌদোক পুম্নমক হংজবদা যুধিষ্ঠিরনা থোকখিব পুম্নমক মখাও নাইনা দ্রুপদদা তাখি ॥১৫॥ মাদি পুম্নমক তাবদা, দ্রুপদনা ধৃতরাষ্ট্রবু য়াম্না য়ানা নিন্দা তৌখি ॥১৬॥ ৱাঙাংব হৈরবা দ্রুপদ নিংথৌনা যুধিষ্ঠিরবু থেমজিনখি; অমসুং পুক্নিংনা নুংঙাইবা পীগনি মহাক্কী লৈবাক পুম্নমক পীগনি হায়না ৱাশকখি ॥১৭॥ অদিগী তুংদা, কুন্তী, দ্রৌপদী, ভীম, অর্জ্জুন, নকুল, সহদেব তরুক অসি দ্রুপদ নিংথৌনা হায়খিবা মতুং ইন্না য়াং চাওবা যুমদা চংলুনা লৈখি ॥১৮॥ মহারাজ জনমেজয়! মতৌ অসুম্না পাণ্ডবশিং অসি দ্রুপদনা থৌজেক্না ইকায় খুম্নবা অমদি য়াম্না তোঙ্না লৈখিদো। অদুগী, থব লৈরগা, দ্রুপদনা মচাশিংগা লোয়নুনা য়াম্না অকং তাদুনা যুধিষ্ঠিরগী মফমদা হায়খি ॥১৯॥ ঙসিদি য়াম্না ফবা নুমিৎনি, মহাব

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তমব্রবীত্ততো রাজা ধর্ম্মপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। মমাপি দারসম্বন্ধঃ কার্য্যস্তাবদ্বিশাংপতে ॥২১॥

দ্রুপদ উবাচ।

ভবান্ বা বিধিবৎ পাণিং গৃহ্লাতু দুহিতুর্মম। যস্য বা মন্যসে বীর! তস্য কৃষ্ণামুপাদিশ ॥২২॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

সর্ব্বেষাং মহিষী রাজন্! দ্রৌপদী নো ভবিষ্যতি। এবং প্রব্যাহৃতং পূর্ব্বং মম মাত্রা বিশাংপতে! ॥২৩॥

অহঞ্চাপ্যনিবিষ্টো বৈ ভীমসেনশ্চ পাণ্ডবঃ। পার্থেন বিজিতা চৈষা রত্নভূতা সুতা তব ॥ ২৪ ॥

এষ নঃ সময়ো রাজন্! রত্নস্য সহ ভোজনম্। ন চ তং হাতুমিচ্ছাম সময়ং রাজসত্তম! ॥ ২৫ ॥

সর্ব্বেষাং ধর্ম্মতঃ কৃষ্ণা মহিষী নো ভবিষ্যতি। আনুপূর্ব্ব্যেণ সর্ব্বেষাং গৃহ্লাতু জ্বলনে করান্ ॥২৬॥

দ্রুপদ উবাচ।

একস্যা বহ্ব্যো বিহিতা মহিষ্যঃ কুরুনন্দন!। নৈকস্যা বহবঃ পুংসঃ শ্রূয়ন্তে পতয়ঃ ক্বচিৎ ॥ ২৭ ॥

লোকবেদবিরুদ্ধং ত্বং নাধর্ম্মং ধর্ম্মবিচ্ছুচিঃ। কর্ত্তুমর্হসি কৌন্তেয়! কস্মাত্তে বুদ্ধিরীদৃশী ॥ ২৮ ॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

সূক্ষ্মো ধর্ম্মো মহারাজ! নাস্য বিদ্মো বয়ং গতিম্। পূর্ব্বেষামানুপূর্ব্ব্যেণ যাতং বর্ত্মানুযামহে ॥২৯॥

ভসিন্নক কল্লবা, ননাও ইবুঙো অর্জ্জুনগা দ্রৌপদীগা অনিগী বিধি কায়দনা লুহোংবা হায়রক্নু ওইরসনু, ঐখোয়না করে হায়না লেপ্নজরিবা মুমিৎ অমদি পুংকম অসি পুকচেল চাওরবা নহাকস্তু য়াবিয়ু ॥২০॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— দ্রুপদগী বা তাবদা যুধিষ্ঠীরনা হায়খি— "মহারাজ! লুহোংবদি ঐগীসুনি" ॥২১॥ দ্রুপদনা হায়— অকনবা! অহ ওইরবদি বিধি কায়দনা ইচাহুপী অসিবু লৌবিরো নত্রগা, নৈরিবশিং অসিগী মফুংদা, ময়েক্কী তাব লুহোংবসিনা কনাগনো হায়রম্ব অহম চুমন থম্দুনা তৌবিয়ু অহুগা মাহুস্ত তাকপিয়ু ॥২২॥ যুধিষ্ঠীরনা হায়— মহারাজ! দ্রৌপদীদি ঐখোয় মস্তামক্কী লোয়নবী ওইরগদবনি। ইমানা অস্তুমনা মমাংদৈদা হায়খ্রবনি ॥২৩॥ ঐগা অমসুং ভীমগা ময়াম্ব ঐখোয় অনি হৌজিক কাওবা লুহোংদ্রি; অহুগা অর্জুননা মহারাজগী রতনগা মান্নরবী কন্যা অসিবু লিংথো ময়াম্, জয় তৌদুনা ফংজরে ॥২৪॥ মাসিদা অসিগুম্বা নিয়ম অম লৈথ্রে, মাচুদি কন্যারত্ন অসি মস্তামক্কী ওইবা তারি। ইমানা তৌখিবা নিয়ম অসি ঐখোয় কায়হনবা ঙমজদরে ॥২৫॥ মরম অতুনা দ্রৌপদী অসি ঐখোয় ভমমক্কী মুপী ওইব তারি, অতুনা, কন্যা অসিনা অহল অহল ওইবগী মতুং ইন্না ঐখোয় মস্তামক্কী খুদাংবু মথং মথং যজ্ঞগী মৈনাক্ত পায়রসনু ॥২৬॥ দ্রুপদনা হায়খি— অহানু পুকচেল চাওরবা যুধিষ্ঠীর! বেদদা নিপা অমনা মুপী য়ামনা লৌবগী, লোয়বগীদি বিধান য়াওরি, অদুগা মুপী অমগীদি মপুরোইবা অমদগী হেন্না নৈবগী নিয়মদি কবিগুম্বা বেদ শাস্ত্রদা য়াওদে অদুগা ভাম্ব ভানদে ॥২৭॥ অহনা কুন্তী দেবীগী মচা ইবুঙো! অশেংবা ধর্ম্ম খংব নহাককুম্ব অমনা বেদনা য়াদবা ধর্ম্ম থোক্তবা থবক অসি তৌবিব চুমদে, অদুনা, নহাককুম্ব অমগী অসিগুম্ব বুদ্ধি অসি করম ওইরিবনো? ॥২৮॥ যুধিষ্ঠীরনা হায়খি— মহারাজ! ধর্ম্ম হায়বসি য়ামনা কুপথমা পোশক অমনি,

ন মে বাগনৃতং প্রাহ নাধর্ম্মে ধীয়তে মতিঃ। এবঞ্চৈব বদত্যম্বা মম চৈতন্মনোগতম্ ॥ ৩০ ॥
এষ ধর্ম্মো ধ্রুবো রাজন্! চরৈনমবিচারয়ন্। মা চ শঙ্কা তত্র তে স্যাৎ কথঞ্চিদপি পার্থিব! ॥ ৩১ ॥

দ্রুপদ উবাচ।

ত্বঞ্চ কুন্তী চ কৌন্তেয়! ধৃষ্টদ্যুম্নশ্চ মে সুতঃ। কথয়ন্ত্বিতি কর্ত্তব্যং শ্বঃ কালে করবামহে ॥ ৩২ ॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তে সমেত্য ততঃ সর্ব্বে কথয়ন্তি স্ম ভারত!। অথ দ্বৈপায়নো রাজন্! অভ্যাগচ্ছদ্যদৃচ্ছয়া ॥৩৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
বৈবাহিকে দ্বৈপায়নাগমনে অষ্টাশীত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০):—

অদুনা কুপমনখিবনা মহাক্কী খোংচৎপু ঐখোয়না খংবা ভমদে, মমাংঙৈগী অহল লমনশিংনা চৎনরম্ম লম্মী অদুত ঐখোযস্থ চৎনদুনা লৈরক্লিবনি ॥২৯॥ অসিগী মথক্ত, ওইররোক্টদবা মা অমতা ভসি ফাওবা ঐ ভাংখিদ্রি, অধর্ম্মগী মাইকৈদ ঐগী পুক্লিংনা করিগুম্বদা ওনশিনদ্রি. অদুগা ইমানা হায়খিবা তৌখিবা নিযম অসিগী মতুং ইন্না থবক তৌবসি চুম্মি হায়না ঐনস্থ লেপচরে ॥৩০॥ মরম অগনা মহারাজ! মাসিমক্লি ধর্ম্ম হায়বদো, অদুনা মহাবাজ মাসিদা অমুক চিংনদনা, অতোপ্প অমমুক খন্নদনা থবক অসি পাংথোক্লবা তৌবিযু। মাসিদা মহারাজগী করিমতা চিংনকম লৈতে ॥৩১॥ দ্রুপদনা হাযখি— যুধিষ্ঠীর! কুন্তী দেবীগা, ইচা নিপা ধৃষ্টদ্যুম্নগা তান্নরগা লেপনবিযু, মাহ লেপনরগা অমুম তৌবা হৌনৈ হায়বস্থ তৌব তাবে ॥৩২॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি– অদুগী তুংদা মখোয় ময়াম তিন্নদুনা খন্নখি। অসিগুম্বা মতমদা লাইগী নোংদমদগী বেদব্যাসস্থ মফম অদুদা খংহৌদনা লাক্কুনা থুংরে ॥৩৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা বিবাহগী মতাংদা "শ্রীদ্বৈপাযনাগমন" কৌবা চামগা মরিফুনিপাল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম

(ব্যাসনা মপুরোইবা মঙং লৈঙ্গী মরমদা ওয়াংবা)

(চামা মরিফুমাপাল শুবা অধ্যায়)

—:(॰):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততস্তে পাণ্ডবাঃ সর্ব্বে পাঞ্চাল্যশ্চ মহাযশাঃ। প্রত্যুত্থায় মহাত্মানং কৃষ্ণং সর্ব্বেঽভ্যবাদয়ন্ ॥১॥

প্রতিনন্দ্য স তান্ সর্ব্বান্ পৃষ্ট্বা কুশলমন্ততঃ। আসনে কাঞ্চনে শুভ্রে নিষসাদ মহামনাঃ ॥২॥

অনুজ্ঞাতাস্তু তে সর্ব্বে কৃষ্ণেনামিততেজসা। আসনেষু মহার্হেষু নিষেদুর্দ্বিপদাং বরাঃ ॥৩॥

ততো মুহূর্ত্তান্মধুরাং বাণীমুচ্চার্য্য পার্ষতঃ। পপ্রচ্ছ তং মহাত্মানং দ্রৌপদ্যর্থং বিশাংপতে ॥৪॥

কথমেকা বহূনাং স্যান্ন চ স্যাদ্ধর্ম্মসঙ্করঃ। এতন্নো ভগবান্ সর্ব্বং প্রব্রবীতু যথাতথম্ ॥৫॥

ব্যাস উবাচ।

অস্মিন্ ধর্ম্মে বিপ্রলব্ধে লোকবেদবিরোধকে। যস্য যস্য মতং যদ্যচ্ছ্রোতুমিচ্ছামি তস্য তৎ ॥ ৬॥

দ্রুপদ উবাচ।

অধর্ম্মোঽয়ং মম মতো বিরুদ্ধো লোকবেদয়োঃ। ন হ্যেকা বিদ্যতে পত্নী বহূনাং দ্বিজসত্তম ॥ ৭॥

ন চাপ্যাচরিতঃ পূর্ব্বৈরয়ং ধর্ম্মো মহাত্মভিঃ। ন চাপ্যধর্ম্মো বিদ্বদ্ভিশ্চরিতব্যঃ কথঞ্চন ॥ ৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়—অদুদগী, পাণ্ডবশিংনা অমসুং দ্রুপদ নিংথৌনা চপ মান্নবা লেপথত্তুনা বেদব্যাসদা চংশিন্দুনা হায়রখি খুরুম্নি ॥১॥ বেদব্যাসসু মখোয় পুম্নমক্কী খুরুম্না অদু তরাম তরাম ওক্তুনা পুম্নমক্কী মঙাল ওইবা পাও হংনদুনা নিংথিজরবা থক্করবা সনাগী আসনথক্তা ফমখি ॥২॥ দ্রুপদনচিংবা থিবিকসু ব্যাসগী য়াথং মতুংইন্না মসমক য়াম্রবা মাগী মাগী অসনদা চংদুনা ফমথখি ॥৩॥ ওহাক লৈরগা নিংথৌ দ্রুপদনা নীংথিজবা অতপ্পা অথুম্বা ঋষিনা দ্রৌপদীগী লুহোংবগী মরমদা হংলক্লে ॥৪॥ নুপী অমতনা মপুরোয়বা মঙাগী লোয়নবী ওইবসি অধর্ম্মগী শকক য়ালশিন্নখিবগী পাপ করম হায়না ওইরোইদৌরিবনো, মাসিগী মরমদা মুনিদেবনা থোজানবিনা চপচানা তৌফম থোকপহু অমুক্তা নাথৈ শেংনা তাকপীয়ু ॥৫॥ বেদব্যাসনা হায়রকই—লোকতা চংনদে অমদি বেদ বিরুদ্ধনি হায়দুনা অদুগুম্বা আচারবু পাপনি হায়না খল্লিবা, অদুগা মসিদা মাগী মাগী মত, হায়নীংবা পুমনমক লৈবদু ঐ মথং শীংনা তানীংঙি ॥৬॥ দ্রুপদনা হায়—মাসে, ঐগী মততদি পাপকী থবক ওইবা তাই, মরমদি, মাসি লোকতা চংনবগী য়াংমদা লৈরে অদুগা বেদনা য়াবা য়াকসু নত্রে। মরম অদুনা, নুপী অমনা নিপা ময়ামগী লোয়নবী ওইকব থক থোকতে, মাসি ঐগী মততনি ॥৭॥ অদুগা মমাংদৈগী মহাত্মশিংনসু মাসিগুম্বা আচারণ অসি থক তৌনখিদে। মরম

ততোঽহং ন করোম্যেনং ব্যবসায়ং ক্রিয়াং প্রতি। ধর্ম্মঃ সদৈব সন্দিগ্ধঃ প্রতিভাতি হি মে ত্বয়ম্ ॥৯॥

ধৃষ্টদ্যুম্ন উবাচ।

যবীয়সঃ কথং ভার্য্যাং জ্যেষ্ঠো ভ্রাতা দ্বিজর্ষভ!। ব্রহ্মন্! সমভিবর্ত্তেত সদ্বৃত্তঃ সংস্তপোধন! ॥১০॥
ন তু ধর্ম্মস্য সূক্ষ্মত্বাদ্গতিং বিদ্মঃ কথঞ্চন। অধর্ম্মো ধর্ম্ম ইতি বা ব্যবসায়ো ন শক্যতে ॥১১॥
কর্ত্তুমস্মদ্বিধৈর্ব্রহ্মন্! ততোঽয়ং ন ব্যবস্যতে। পঞ্চানাং মহিষী কৃষ্ণা ভবত্বিতি কথঞ্চন ॥১২॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

ন মে বাগনৃতং প্রাহ নাধর্ম্মে ধীয়তে মতিঃ। বর্ত্ততে হি মনো মেঽত্র নৈষোঽধর্ম্মঃ কথঞ্চন ॥১৩॥
শ্রূয়তে হি পুরাণেঽপি জটিলা নাম গৌতমী। ঋষীনধ্যাসিতবতী সপ্ত ধর্ম্মভৃতাং বরা ॥১৪॥
তথৈব মুনিজা বার্ক্ষী তপোভির্ভাবিতাত্মনঃ। সঙ্গতাভূদ্দশ ভ্রাতৃনেকনাম্নঃ প্রচেতসঃ ॥১৫॥
গুরোর্হি বচনং প্রাহুর্ধর্ম্ম্যং ধর্ম্মজ্ঞসত্তম!। গুরূণাঞ্চৈব সর্ব্বেষাং মাতা পরমকো গুরুঃ ॥১৬॥
সা চাপ্যুক্তবতী বাচং ভৈক্ষ্যবদ্ভুজ্যতামিতি। তস্মাদেতদহং মন্যে পরং ধর্ম্মং দ্বিজোত্তম! ॥১৭॥

অদুনা থংনা থংনা মীংইবনা করিগুম্বা পাপকী থবক অমতা তৌবা হৌনদে ॥৮॥ মরম অদুনা বিবাহ অসিগীদমক্তা ঐনা করিগুম্বা থবক অমতা হৌজিক ফাওবা পায়থচ্চত্রি। মরমদি মাসিবু ধর্ম্মরা অধর্ম্মরা হায়বসি ঐগী পূক্লিংদা চিংনজরি ॥৯॥

ধৃষ্টদ্যুম্ননা হায়—হে তপস্বী! লমচৎ ফজরবা, ধর্ম্ম চেল্লবা মরাম্বা ওইরিবা অমনা মতৌকরম্বা নমাও মুপীগী মফমদা মহাক মশামককী মুপীগুম চংডুগদোরিবনো? ১০॥ য়াম্না কুপথরবা পোৎনি হায়দুনা ঐখোয়না ধর্ম্মগী খোংচৎ অমদি অওইবা মওং অসি ক’রিমতা থংবা লৈখিদ্রে। মাসিবু ধর্ম্ম ওইরিব্রা নত্রগা অধর্ম্মরা হায়বসি থংদনদি অমসুং পুক্লিংদা চিংনবা লৈরবদি ঐখোয়গী মতৌ-গুমনা কনাসু থবক অসিগীদমক থবক অমতা তৌ হায়রবা য়াগদবা লৈদ্রে। মরম অদুনা দ্রৌপদীনা নিপা মঙাগী সেবা তৌগনি হায়বসিগী মরমদা য়াজনীংদে, অদুনা করিগুম্বা থবক অমতা মাসিগীদমক পায়থৎপা ঙমজদ্রে ॥১১—১২॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়—ঐনা করিগুম্বদা মীনম্বা অমদি ওইরোইদবা ৱা অমতা হায়খিদ্রি; ঐগী পুক্লিংসু করিগুম্বা মতমদা অধর্ম্ম মায়কৈদা হন্না মতক্ত ওল্লুদ্রি; অদুগা থবক অসিদা ঐগী পুক্লিংদা চংবদা লেপথরে; অদুনা, মাসি করিগুম্বদসু অধর্ম্ম ওইবা য়ারোই ॥১৩॥ পুরাণদসু ঐখোয়না উবা তাবা ফংঙি—জটিলা হায়না কৌবী, গৌতমবংশগী কনাগুম্বা ধর্ম্ম চেল্লবী রমণী অমনা মণি তরেৎ মকপু মপুরোয়বা ওইম্না সেবা তৌখি ॥১৪॥ অদুগা বার্ক্ষী কৌবী মচিন্মনাও তরাবু মহাককী মপুরোইবগুম সেবা তৌদুনা লৈখি ॥১৫॥ অসিগী মথক্তা গুরুগী য়াথংবু তাকপা হায়বসিদি ধর্ম্ম পোকনবগী মকণনি হায়রিবনি, অদুগা গুরুশিংগী মনুংদসু থবাইদগী অখোইবা গুরুনি হায়রি ॥১৬॥ অদুগুম্বা ইমানা ৱা অসি চায়থরবনি—ভিক্ষাদা ফংলকপা পোৎকুমনা নখোয় মঙামকনা চপমান্না য়েন্নদুনা চাও অসিনি, অদুনা ঐগী মতমদদি মাসি অখোইবা ধর্ম্মগুকনি হায়না থাজি ॥১৭॥

কুন্ত্যুবাচ।

এবমেতদ্যথা প্রাহ ধর্ম্মচারী যুধিষ্ঠিরঃ। অনৃতান্মে ভয়ং তীব্রং মুচ্যেহহমনৃতাৎ কথম্ ॥ ১৮ ॥

ব্যাস উবাচ।

অনৃতান্মোক্ষ্যসে ভদ্রে! ধর্ম্মশ্চৈব সনাতনঃ। ন তু বক্ষ্যামি সর্ব্বেষাং পাঞ্চাল! শৃণু মে স্বয়ম্ ॥ ১৯ ॥

যথায়ং বিহিতো ধর্ম্মো যতশ্চায়ং সনাতনঃ। যথা চ প্রাহ কৌন্তেয়স্তথা ধর্ম্মো ন সংশয়ঃ ॥ ২০ ॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তত উত্থায় ভগবান্ ব্যাসো দ্বৈপায়নঃ প্রভুঃ। করে গৃহীত্বা রাজানং রাজবেশ্ম সমাবিশৎ ॥২১॥

পাণ্ডবাশ্চাপি কুন্তী চ ধৃষ্টদ্যুম্নশ্চ পার্ষতঃ। বিবিশুর্যত্র তত্রৈব প্রতীক্ষন্তে স্ম তাবুভৌ ॥ ২২ ॥

ততো দ্বৈপায়নস্তস্মৈ নরেন্দ্রায় মহাত্মনে। আচখ্যৌ তদ্যথা ধর্ম্মো বহূনামেকপত্নিতা ॥২৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি

বৈবাহিকে ব্যাসবাক্যে ঊননবত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০).—

কুন্তীনা হায়খি—ধর্ম্ম চেল্লবা যুধিষ্ঠিরনা হায়রিবসি অচুম্বমকনি, করিনা হায়ববু মসি মমাং-ঙৈদগী তৌনরকপা ধর্ম্ম অমনি। অদুগা মসি মীপুম্ননমকনস্থ হেক তৌবা য়াবা নত্তে। দ্রুপদ নিংথৌ! মহারাজনা মসিমক ঐগী ইচিন্দগী তাবিয়ু ॥১৯॥ ধর্ম্মনি হায়দুনা তৌখ্‌্রবা থবক, অদুগা থবক অসিমস্থ মমাংঙৈদগী তৌনরক্লিবা, থবকমকনি হাযরবনিনা যুধিষ্ঠির মশামকস্থ ধর্ম্মগী থবকমকনি ধর্ম্মমককী থবক হায়বহ্ থোকলে। বিষয় অসিদা চিংনফম থক লৈত্রে ॥২০॥ বৈশম্পায়ননা হায়—অসিগী তুংদা ব্যাসনা হৌগৎলক্ক্না দ্রুপদগী মখূদাং [পায়দুনা অটীকপা য়ুম কা অমদা চংশিনখি ॥২১॥ অদুগা পাণ্ডবশিংনা, কুন্তী অমসুং ধৃষ্টদ্যুম্ননা ফমলিবা মফম অদুদা অদুম্ন ক্বমদুনা অনী অদুনা থোরকপা হল্লকপা ঙাইদুনা লৈখি ॥২২॥ অদুগী তুংদা, য়ুম অদুগী মপুংদা বেদব্যাসনা দ্রুপদগী মকমদা নিপা ময়ামগী মুপী অমা লৈবগী মরমদা লৈবা ধর্ম্ম অদুগী মরমদা ঙাংবা হৌখি ॥২৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা বিবাহগী মতুংদা ব্যাসগী পাওতাক্তা চামগা মরিকুমাপল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম্

(পঞ্চ ইন্দ্রগী ৱাবী)

(চামা মরিফুতরা শুবা অধ্যায়)

——:(†):——

ব্যাস উবাচ।

পুরা বৈ নৈমিষারণ্যে দেবাঃ সত্রমুপাসত। তত্র বৈবস্বতো রাজন্! শামিত্রমকরোত্তদা ॥ ১ ॥

ততো যমো দীক্ষিতস্তত্র রাজন্! নামারয়ৎ কঞ্চিদপি প্রজানাম্।

তত প্রজাস্তা বহুলা বভূব কালাতিপাতান্মরণপ্রহীণাঃ ॥ ২ ॥

সোমশ্চ শক্রো বরুণঃ কুবের সাধ্যা রুদ্রা বসবোঽথাশ্বিনৌ চ।

প্রজাপতির্ভুবনস্য প্রণেতা সমাজগ্মুস্তত্র দেবাস্তথান্যে ॥ ৩ ॥

ততোঽব্রুবন্ লোকগুরুং সমেতা ভয়াত্তীব্রান্মানুষাণাং বিবৃদ্ধ্যা।

তস্মাদ্ভয়াদুদ্বিজন্ত সুখেপ্সব প্রযাম সর্ব্বে শরণং ভবন্তম্ ॥ ৪ ॥

পিতামহ উবাচ।

কিং বো ভয়ং মানুষেভ্যো যূয়ং সর্বে যদাঽমরাঃ। মা বো মর্ত্ত্যসকাশাদ্বৈ ভয়ং ভবিতুমর্হতি ॥ ৫ ॥

দেবা উচু।

মর্ত্ত্যা অমর্ত্ত্যাঃ সম্ভূতা ন বিশেষোঽস্তি কশ্চন। অবিশেষাদুদ্বিজন্তো বিশেষার্থমিহাগতাঃ ॥ ৬ ॥

বেদব্যাসনা হায়খি—মহারাজ! মমাংদা, নৈমিষা রণ্যদা দেবতাশিংনা যজ্ঞ অমা তৌখি, যজ্ঞ অদুদা যমনা পুরোহিত ওইদনা যজ্ঞ অদু হেক-হেক পাংথোকই ॥১॥ মরম অদুনা যম মশামকনা যজ্ঞ অদুদা পুক্নিং চংহনা লৈথোকখিবনা মীওইবগী মনুংদা রনাবুসু হাৎখিদ্রে, অসোমদা মীপুমনমকসু শীবা হায়বদু লৈত্রদনা মীশীং মথং মথং অসুম হেঙ্গৎলক্রে ॥২॥ মতম অদুদা ইন্দ্র, বরুণ, কুবের, রুদ্রমপৈ; বসুময়াম অশ্বিনীকুমার অনি, জগৎপু শেম্ব ব্রহ্মা, অদুগা অতোপ-অতোপ্পা দেবতা কয়াসু মফম অদুদা লাকখি ॥৩॥ অদুগী তুংদা, মুংঙাইবদা পামলবা দেবতশিংনা মীওইবনা মীশীংদা অমসুং চাওখৎপদা নোংম নোংমগী হেনগৎলকপা অদুদা থোইদোকনা কিরক্লুনা অমদি চিংনরক্লুনা তপথবা লৈত্তনা ব্রহ্মাদা হায়খি—ঙসিদি ঐখোয় ময়াম পিতামহগী নকমদা চংজরি ॥৪॥ ব্রহ্মানা হায়খি—নখোয়না মীবু কিরিবসি করিগীনো? নখোয় লাইদি অমরনি। মরম অদুনা নখোয়না মর্ত্ত্যলোককী মীবু কিক্কম থোক্কে ॥৫॥ দেবতাশিংনা হায়খি—মর্ত্ত্যলোককী মীসু হৌজিক্তি অমর ওইখ্রে। অদুনা হৌজিক মীগা লাইগা করিমতা খেন্নবা লৈত্রে। খেন্নবদু লৈত্রবা অ হুদদি ঐখোয়সু পুক্নিংদা

ভগবানুবাচ।

বৈবস্বতো ব্যাপৃতঃ সত্রহেতোস্তেন ত্বিমে ন ম্রিয়ন্তে মনুষ্যাঃ।
তস্মিন্নেকাগ্রে কৃতসর্ব্বকার্য্যে তত এষাং ভবিতা বোঽন্তকালঃ ॥ ৭ ॥
বৈবস্বতস্যৈব তনুর্বিভক্তা বীর্য্যেণ যুষ্মাকমুত প্রবৃদ্ধা।
সৈষামন্তো ভবিতা হ্যন্তকালে ন তত্র বীর্য্যং ভবিতা নরেষু ॥৮॥
ততস্তে তে পূর্ব্বজদেববাক্যং শ্রুত্বা জগ্মুর্যত্র দেবা যজন্তে।
সমাসীনাস্তে সমেতা মহাবলা ভাগীরথ্যাং দদৃশুঃ পুণ্ডরীকম্ ॥৯॥
দৃষ্ট্বা চ তদ্বিস্মিতাস্তে বভূবুস্তেষামিন্দ্রস্তত্র শূরো জগাম।
সোঽপশ্যদ্‌যোষামথ পাবকপ্রভাং যত্র দেবী গঙ্গা সততং প্রভূতা ॥১০॥
সা তত্র যোষা রুদতী জলার্থিনী গঙ্গাং দেবীং ব্যবগাহ্য ব্যতিষ্ঠৎ।
তস্যাশ্রুবিন্দুঃ পতিতো জলে যস্তৎ পদ্মমাসীদথ তত্র কাঞ্চনম্ ॥১১॥
তদদ্ভুতং প্রেক্ষ্য বজ্রী তদানীমপৃচ্ছত্তাং যোষিতমন্তিকাদ্বৈ।
কা ত্বং ভদ্রে! রোদিষি কস্য হেতোর্বাক্যং তথ্যং কাময়েঽহং ব্রবীহি ॥১২॥

স্ত্র্যুবাচ।

ত্বং বেৎস্যসে মামিহ যাস্মি শক্র! যদর্থঞ্চাহং রোদিমি মন্দভাগ্যা।

অকিবা চিংনবা পোক্লদুনা অসি কোকননবা পিতামহগী নফমদা লাকচরিবসিনি ॥৬॥ ব্রহ্মানা হায়খি—যমরাজদু হৌজিক্তি যজ্ঞদা পুক্নিং চংদুনা লৈখি, অদুনা কনাগুম্বা অমতবু হাত্রদুনা মী-পুমনমকসি অমতা শিদ্রে, যজ্ঞ অসি লোইরগা যমরাজনা মাগী থবক্তা পুক্নিং চংলক্রবা মতমদা অমুরক হন্না মীওইবগী শিবগী মতম মরাইনা লাকচগনি ॥৭॥ যমগী হকচাং অসিমক নখোয় দেবতাশিংদা শক্তিনা মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা তোংডাল তোংডালবা মওং লৌরককনি, হকচাং অসি-মক্তা তাইবংমীগী শিবা হায়বা অদুগী অথোইবা মরম ওইরকনি, অরোইবা সুমিত্তা হিংনবগী করিগুম্বা অমতা লৈরোই ॥৮॥

বেদব্যাসনা হায়—মতম অসিদা দেবতাশিংনা ব্রহ্মাগী ৱা অদু তাবদা যজ্ঞ মফম অদু তাম্না যাত্রা তৌখি, লম্বীদা মখোয় পুম্নমক পুল্লপানা গঙ্গা মপান্দা যম্নদুনা পোথাখি, মতম অদুদা সনাগী থম্বাল অমা ঈচেন্দা তাওথরকপা উরে ॥৯॥ মাদু উবদা মখোয় পুম্নমক পুমক্ক ঙকখ্রে; মতম-অদুদা দেবতা পুম্নমক্কগী থৱাইদগী কল্লবা ইন্দ্রনা থম্বাল অদুগী মায়কৈদা চংশিনখি গঙ্গাগী-লুরবা নাকল অমদা মৈগী মত্রোংগুমনা মাগী মশেক মত্তাম্না লংদবা কনাগুবনী নুপী অমা লৈরবা উরে ॥১০॥ নুপী অদু ঈশিং থককে হায়দুনা গঙ্গাগী তোর্ব্বান্দা কুমথদুনা কপ্লুনা লৈরম্মি, মহাক্কী মিত্তগী শিত্থরকপা পী মরিক-মরিকনা ঈশিংদা তারম্মি, গঙ্গাগী ঈশিংগা তিন্নবদা মাগী পীগী মরিকনা সনাগী থম্বাল ওইদুনা হেক হেক তাওথে ॥১১॥ অংকপা থৌদোক অসি উবদা ইন্দ্রনা মাগী মকমদা চংশিন্দুনা হংখি—ইবেম্মা! নংবু কনানো? করিগীদমক কপলিবগে? চুম্না হায়বু, মরম অদু শেংনা তানিংঙি ॥১২॥ নুপীনা খুম্মি—ইন্দ্র! ঐনা কপলিবগী মরম অসে অদুমক শঙ্খিগনি।

আগচ্ছ রাজন্! পুরতো গমিষ্যে দ্রষ্টাসি তত্রোদিমি যৎকৃতেঽহম্ ॥ ১৩ ॥

ব্যাস উবাচ।

তাং গচ্ছন্তী মন্বগচ্ছত্তদানীং সোঽপশ্যদারাত্তরুণং দর্শনীয়ম্।
সিংহাসনস্থং যুবতীসহায়ং ক্রীড়ন্তমক্ষৈর্গিরিরাজমূর্দ্ধি ॥ ১৪ ॥
তমব্রবীদ্দেবরাজো মমেদং ত্বং বিদ্ধি বিশ্বং ভুবনং বশে স্থিতম্।
ঈশোঽহমস্মীতি সমন্যুরব্রবীদ্দৃষ্ট্বা তমক্ষৈঃ সুভৃশং প্রমত্তম্ ॥ ১৫ ॥
ক্রুদ্ধঞ্চ শক্রং প্রসমীক্ষ্য দেবো জহাস শক্রঞ্চ শনৈরুদৈক্ষত।
সংস্তম্ভিতোঽভূদথ দেবরাজস্তেনেক্ষিতঃ স্থাণুরিবাবতস্থে ॥ ১৬ ॥
যদা তু পর্য্যাপ্তমিহাস্য ক্রীড়য়া তদা দেবীং রুদতীং তামুবাচ।
আনীয়তামেষ যতোঽহমারান্নৈনং দর্পঃ পুনরপ্যাবিশেত ॥ ১৭ ॥
ততঃ শক্রঃ স্পৃষ্টমাত্রস্তয়া তু স্রস্তৈরঙ্গৈঃ পতিতোঽভূদ্ধরণ্যাম্।
তমব্রবীদ্ভগবানুগ্রতেজা মৈবং পুনঃ শক্র! কৃথাঃ কথঞ্চিৎ ॥ ১৮ ॥
বিবর্ত্তয়ৈনঞ্চ মহাদ্রিরাজং বলঞ্চ বীর্য্যঞ্চ তবাপ্রমেয়ম্।
ছিদ্রস্য চৈবাবিশ মধ্যমস্য যত্রাসতে ত্বদ্বিধাঃ সূর্য্যভাসঃ ॥ ১৯ ॥

অসোমদা চং‌বিবকউ মাংলোমদা খরা চংশিল্লগা উস্নিগনি অহগা ঐমা কপালিবগী মরম অদু খংবিগনি ॥১৩॥

ব্যাসনা হায়—তাও নিংথৌ ক্রন্দন। মতম অদুদা মুপী অদুনা তুম্মিন্না অদুম চংশিনখিল, ইন্দ্রসু তুম্মিন্না মাগী মতুং ইথিল, খর লাপ্তক চংলগা করি উবগে হায়বদু—মনাক অদুদা হিমালয়গী চাংথক্তা ফজরবা পাথং অমা কৈমউন্দা ফমদুনা কনাগুম্বী যুবতি অমগা লোয়ননা চৌথর শান্নদুনা লৈরি ॥১৪॥ পাথং অদুদা কয়াগী মতিক থব্বাই য়াওনা মযাইকানা শান্নরম্বগে হায়রবদু ইন্দ্রনা উন-উনা হৌগদুনা তন্নাম-তন্নাম্না ব্যবহার তৌনা ওকখিল্লে, মাদু উবদা দেবরাজ ইন্দ্রনা শান্নদুনা মাঙোন্দা হায়রকই—হায়! তাও জগৎ অসে ঐগী ইথা পোম্না লৈরিবনি, জগৎ অসিগী নিংথৌদি ঐনি ॥১৫॥ ইন্দ্রনা শাওবদু উবদা পাথং অদু মোমোন নোকই অদুগা ইন্দ্র য়েংনা তপনা য়েংখংলকই, থুদক অদুমক্তদা ইন্দ্র অসি মশা মাক্ত লেংবা থোকপা য়াদনা সুংগী মতৌগুম চপ লেপ্লুনা লৈখি ॥১৬॥ অদুগী তুংদা চেংবর শান্নবদু লোইরবদা পাথং অদুনা কপ্লুনা লৈরিবী যুবতি অদুদা হায়রকই—মাসি ঐগী নাক্তা পুশিন্নকউ, মতুং মনাও অদুক নাপল তৌদনবা ঐ থবক অমা তৌগে ॥১৭॥ মতম অদুদা মুপী অদুনা ইন্দ্রগী মশা অদু হেক শোকখিবদা ইন্দ্রগী হকচাং অমরাৎ পুম্নমক চোকথ-খিন্ননা লৈমায় থক্তা হীকথদুনা তুখ্রে। মতম অদুদা পাথংগী মশক লৌহনা শান্নবা, কান্নবা তেজ পুরবা মহাদেবনা ইন্দ্রদা হায়রকই—ইন্দ্র! নং মতুং মনাও অদুম্না নাপল তৌগনুকো ॥১৮॥ চাংদমনিংতায় লৈত্রবা নপাজল নথৌনা মহাক্তি লৈ; অদুনা চীংথমুক চাউরবা থাগী হংপাক অসি হংথোক্তুনা থেলোকলু অদুগা লৈথুন অসিগী মনুংদা চংশিনখো, মাসিগী মনুংদা সুমিৎকী মতৌগুম্না

স ত্বভিবৃত্য বিবরং মহাগিরেস্তুল্যদ্যুতীংশ্চতুরোহন্যান্ দদর্শ।
স তানভিপ্রেক্ষ্য বভূব দুঃখিতঃ কচ্চিন্নাহং ভবিতা বৈ যথেমে ॥ ২০ ॥
ততো দেবো গিরিশো বজ্রপাণিং বিবৃত্য নেত্রে কুপিতোহভ্যুবাচ।
দরীমেতাং প্রবিশ ত্বং শতক্রতো! যন্মাং বাল্যাদবমংস্থাঃ পুরস্তাৎ ॥২১॥
উক্তস্ত্বেবং বিভুনা দেবরাজঃ প্রাবেপতার্ত্তো ভৃশমেবাভিষঙ্গাৎ।
স্রস্তৈরঙ্গৈরনিলেনেব নুন্নমশ্বত্থপত্রং গিরিরাজমূর্দ্ধি ॥ ২২ ॥
স প্রাঞ্জলির্বৈ বৃষবাহনেন প্রবেপমানঃ সহসৈবমুক্তঃ।
উবাচ দেবং বহুরূপমুগ্রমন্তাশেষস্য ভুবনস্য ত্বং ভবাদ্যঃ ॥ ২৩ ॥
তমব্রবীদুগ্রবর্চ্চাঃ প্রহস্য নৈবংশীলাঃ শেষমিহাপ্নুবন্তি।
এতেহপ্যেবং ভবিতারঃ পুরস্তাত্তস্মাদেতাং দরীমাবিশ্য শেষ ॥ ২৪ ॥
তত্র হ্যেবং ভবিতারো ন সংশয়ো যোনিং সর্ব্বে মানুষীমাবিশধ্বম।
তত্র যূয়ং কর্ম্ম কৃত্বাহবিষহ্যং বহূনন্যান্ নিধনং প্রাপয়িত্বা ॥ ২৫ ॥
আগন্তারঃ পুনরেবেন্দ্রলোকং স্বকর্ম্মণা পূর্ব্বজিতং মহার্হম্।
সর্ব্বং ময়া ভাষিতমেতদেবং কর্ত্তব্যমন্যদ্বিবিধার্থযুক্তম ॥ ২৬ ॥

ভাল্লবা নহাককুম্বা নিপা খর লৈবনি ॥১৯॥ মতম অদুদা ইন্দ্রনা হিমালয়গী অঙ্গুগুম্বা কোক অদুদা চংখিদুনা মাগা মান্নবা তেজ লৈরবা নিপা মরি লৈরম্বদু থেংনবরে, মখোয়বু উবদা ইন্দ্রসি য়াম্না দুংভায়ত্রে অমসুং ঐসু মখোযদোনা তোৌবগদ্রা অসুম হায়না খল্লব্রে ॥২০॥ অদুগী তুংদা মহাদেবনা শাওদুনা মিৎ অনি অদু লাওথোক্লুনা ইন্দ্রদা হায়বকই— ইন্দ্র! নংসু কুহাসিগী মনুংদা চংখ্রো, অপাংবগী মথাপোন্দুনা নংনা ঐবু থৌওইখিদবদুগী মহৈনি ॥২১॥ মহাদেবনা অসুম্না হায়রবদা, ইন্দ্রনা অম্বাবা ফংলুরগনি হায়বাসিগী কিবনা সুংশিৎনা য়ৈবা সনাথোংনাংগী মনাগুম হিমালয়গী চোংথক্তা মশা পুমনমক শথক থক নীক্লুনা লৈখি ॥২২॥ মতম অদুদা মহাদেবনা অসুম হায়রক্লবদা, ইন্দ্রনা থক থক নীক্লুনা মথুৎ লোম্নদুনা শকলোন যামনা পূরবা মহাদেবদা হায়রকই— জগৎ অসিগী মনুংদা ঙসি কৌবা সুমিত্তা ইহান হান্না থৌজালবিবা হায়বদু ঐভোন্দা উৎপিয়ু ॥২৩॥ মতম অদুদা তেজ কল্লবা মহাদেবনা ইন্দ্রদা হায়রকই— নাপল তৌবশিংনা কনাগী মফমদগী থৌজাল ফংলোয়। অদুদা লৈরিবা মখোয়শিং অদুসু নংগুমনা মমাংঙৈদা নাপল তৌকরদগী কুহাদুদা লৈরিবনি। অদুনা নহাকসু কুহা অদুদা চংদুনা লৈখ্রো ॥২৪॥ নখোয় অসি মর্ত্ত্যলোকতা চংখিদুনা মী ওইনা পোকলুরগদৌবনি, মাসি করিমত্তা চিংনকনু। অদুনা নখোয় পুমনমক মীওইবগী যোনীদা চংদুনা পোকলুরো, মফম অদুদা য়েক্তনবনা থাংজমত্রবা থবক কযা তৌদুনা, য়েকনবা কয়া হাৎলগা নংগী নংগী কর্ম্মগী মতুং ইননা ইন্দ্রলোকদা লাক্লদৌবনি, ঐনা হায়রিবসি শোযদনা থোক্লগদবনি অদুগা অতোপ অতোপ্পা থবক কয়াসু

পূর্ব্বেন্দ্রা উচুঃ ।

গমিষ্যামো মানুষং দেবলোকাদ্ দুরাধরো বিহিতো যত্র মোক্ষঃ ।
দেবাস্ত্বস্মানাদধীরন্ জনন্যাং ধর্ম্মো বায়ুর্মঘবানশ্বিনৌ চ ॥ ২৭ ॥

ব্যাস উবাচ ।

এতচ্ছ্রুত্বা বজ্রপাণির্বচস্তু দেবশ্রেষ্ঠং পুনরেবেদমাহ ।
বীর্য্যেণাহং পুরুষং কার্য্যহেতোর্দ্দদ্যামেষাং পঞ্চমং মৎপ্রসূতম্ ॥ ২৮ ॥

বিশ্বভুগ্ ভূতধামা চ শিবিরিন্দ্র প্রতাপবান্ ।　　শান্তিশ্চতুর্থস্তেষাং বৈ তেজস্বী পঞ্চমঃ স্মৃতঃ ॥ ২৯ ॥

তেষাং কামং ভগবানুগ্রধন্বা প্রাদাদিষ্টং সন্নিসর্গাদযথোক্তম্ ।
তাঞ্চাপ্যেষাং যোষিতং লোককান্তাং শ্রিয়ং ভার্য্যাং ব্যদধান্মানুষেষু ॥৩০॥
তৈরেব সার্দ্ধন্তু ততঃ স দেবো জগাম নারায়ণমপ্রমেয়ম্ ।
অনন্তমব্যক্তমজং পুরাণং সনাতনং বিশ্বমনন্তরূপম্ ॥৩১॥
স চাপি তদ্ব্যদধাৎ সর্বমেব ততঃ সর্বে সম্বভূবুর্ধরণ্যাম্ ।
স চাপি কেশৌ হরিরুদ্ববর্হ একং কৃষ্ণমপরঞ্চৈব শুক্লম্ ॥৩২॥
তৌ চাপি কেশৌ নিবিশেতাং যদূনাং কুলস্ত্রিয়ৌ দেবকীং রোহিণীঞ্চ ।
তয়োরেকো বলদেবো বভূব যোঽসৌ শ্বেতস্তস্য দেবস্য কেশঃ ।
কৃষ্ণো দ্বিতীয় কেশব সম্বভূব কেশো যোঽসৌ বর্ণতঃ কৃষ্ণ উক্তঃ ॥৩৩॥

নখোয়না তৌবখিগনি ॥২৫—২৬॥ অহানবগী ইন্দ্রশিং অদুনা হায়রকই— ঐখোয়না দেবলোকতগী মর্ত্ত্যলোকতা চৎথ,বদি মাহুদগী লাম্তোক্তনা লাক্নবা উপায় অসি য়াননা তাংত্তি। অদুনা ধর্ম্ম, বায়ু ইন্দ্র অমস্তং অশ্বিনী কুমার অনি দেবতা মডা অসিনা ঐখোযবু মর্ত্ত্যলোক্কী ইমাগী গর্ভদা পোকহল-গদৌবনি ॥২৭॥ বেদ ব্যাসনা হায়খি— অবোনবা লাকপা ইন্দ্র অদুনা অহানবগী ইন্দ্র মরিগী ব্রা অদু ত্তাবদা অমুক হন্না মহাদেবদা হাযবকই— ঐনা দেবতাশিংগী থবক পাংননবগী দমক ঐমক্কী ঈনা পোকপা ইচা নিপা অদু,বু মডাশুবা ইন্দ্রগী মশক ওইহন্দুনা মর্ত্ত্যলোকতা থারকনিংত্তি ॥২৮॥ ইন্দ্র মডা অদুগী মমুংদা অহানবনা বিশ্বভুযং. অনিশুবনা ভূতধামা, অহুম শুবনা শিবি মবিশুবনা শান্তি অদুগা মডাশুবনা তেজস্বী কৌই ॥২৯॥ ভগবান মহাদেবনা চানবি হৈবা মগুণনা নখোয়গী নিংবাথুংহনগনি হায়না ব্রাশকপিখি অদুগা মখোয়না ভোগ তৌবদা মতিক চারবী স্বর্গদা লৈবাশিংগী মিহোৎনফম ওইরবী স্বর্গগী লক্ষ্মীবু মর্ত্ত্যলোকতা মখোয়গী ওইননবা য়াথং পিখ্রে ॥৩০॥

মহাক্কী মগুণবু শীংথারা কনানসু ভমদবা,　　অহৌবা অরোয়বা নাইদবা, মশকপূ শেংনা উত্তমদবা,
পোকপ-শিবা লৈতবা, জগৎ শীস্মুংনা লৈরিবা,　　মশীং লাকভমদবা মশকপু, মহাক্কী ততনা ওইরিবা
শ্রীনারায়ণ মহাক্কী মফমদা, মহাদেবগা লোযননা,　　চৎখ্রে, ইন্দ্র মডাদো, মহাদেবগী শাপপু কংহনা ॥৩১॥

নারায়নসু মখোয়না হায়রিবা ব্রা অদু তারে, য়ারে; মতম অদুদা ইন্দ্র মডা অমসুং স্বর্গগী লাক্ষ্মী তরুক আসি মর্ত্ত্যলোকতা পোকখি। মতম অসিদা নারায়ণনা মশামক্কী কোক্তগী অভৌবা অমগা অমুবা অমগা শম্মুম অনী ফোয়রে ॥৩২॥ শম্মুম অনী অদু চৎখিহনা যদুগী শাগৈদা দেবকী

যে তে পূর্ব্বং শক্ররূপা নিবদ্ধাস্তস্যাং দর্য্যাং পর্ব্বতস্যোত্তরস্য ।
ইহৈব তে পাণ্ডবা বীর্য্যবন্তঃ শক্রস্যাংশঃ পাণ্ডবঃ সব্যসাচী ॥৩৪॥
এবমেতে পাণ্ডবাঃ সম্বভূবুর্যে তে রাজন্! পূর্ব্বমিন্দ্রা বভূবুঃ ।
লক্ষ্মীশ্চৈষাং পূর্ব্বমেবোপদিষ্টা ভার্য্যা যৈষা দ্রৌপদী দিব্যরূপা ॥৩৫॥
কথং হি স্ত্রী কর্ম্মণোহন্তে মহিতলাৎ সমুত্তিষ্ঠেদন্যতো দৈবযোগাৎ ।
যস্যা রূপং সোমসূর্য্য প্রকাশং গন্ধশ্চাস্যাঃ ক্রোশমাত্রাৎ প্রবাতি ॥৩৬॥
ইদঞ্চান্যৎ প্রীতিপূর্ব্বং নরেন্দ্র! দদানি তে বরমত্যদ্ভুতঞ্চ ।
দিব্যং চক্ষুঃ পশ্য কুন্তীসুতাংস্ত্বং পুণ্যৈর্দিব্যৈঃ পূর্ব্বদেহৈরুপেতান্ ॥৩৭॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ততো ব্যাসঃ পরমোদারকর্ম্মা শুচির্বিপ্রস্তপসা তস্য রাজ্ঞঃ ।
চক্ষুর্দিব্যং প্রদদৌ তাংশ্চ সর্ব্বান্ রাজাপশ্যৎ পূর্ব্বদেহৈর্যথাবৎ ॥ ৩৮ ॥
ততো দিব্যান্ হেমকিরীটমালিনঃ শক্রপ্রখ্যান্ পাবকাদিত্যবর্ণান্ ।
বদ্ধাপীড়াংশ্চারুরূপাংশ্চ যূনো ব্যূঢোরস্কাংস্তালমাত্রান্ দদর্শ ॥ ৩৯ ॥

অমসুং রোহিণীগী গর্ভদা চংখ্রে। অদোবা শমনা বলরাম অদুগা অমুবা অতুনা কেশব হায়বদি কৃষ্ণ ওইনা পোকখি ॥৩৩॥ হিমালয়গী গুহা অদুগী অদুংদা মমাংদৈদা ফাজিন্দুনা লৈরম্বা ইন্দ্রগী মশক ওইবা মিপা মরি অদো মর্ত্ত্যলোকতা পোক্লরিবা যুধিষ্ঠির, ভীম, নকুল অমসুং সহদেব নথোয় মরি অসিনি; অর্জ্জুননা ইকোল খোয়া লাকপা ইন্দ্রগী অংশনি ॥৩৪॥ মহারাজ! মমাংদৈদা ওইখিবা ইন্দ্রমচা অদো, হৌজিক মর্ত্ত্যলোকতা পাণ্ডব মচা ওইনা পোক্লরিবসিনি। অদুগা মমাংদৈদা মহাদেবনা মখোয় মমতাগী লোয়নবী ওইনবা স্বর্গগী লক্ষ্মীদা য়াথং পীখিবদো হৌজিক মহারাজগী মচা ইবেম্মা পুক্কিং চুনা মজাবী দ্রৌপদী ওইনা পোক্লরিবসিনি ॥৩৫॥ মতৌ অদুমনা মমাংদৈদা লাইশিংনা লেপনখ্রে, নাইশিং অদুগী নোংমনা থোককিবা মতুনা মনী অমনা যজ্ঞ লোইরবা লৈমুংদগী চোংথোরকপা য়াব্রা? মহাককী মশকনা নুমিৎ থাগী মতৌগুমনা ভাক্লি-ফজে। মহাককী মশাগী মুখশিরবা মকমনা চুবক মখায় অমগী লম চংলি ॥৩৬॥ করে অসি পুমনমক তোকলো; মহারাজবু মুখশিবনা অসি মহারাজগী মকমদা অমগী মশাক ওইনা দিব্যদৃষ্টি অসিগী পাবেনা মমাংদৈগী ইন্দ্রমচাগী মশক অদু হৌজিক পাণ্ডবশিং অসিগী মপাদা মহারাজ মখামকনা য়েংবিয়ু ॥২৭॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—অদুগী তুংদা তৌভমমনা অশুকপা খরাং তৌরবা, শুকচেল লোংবা বৈদব্যাসনা তপস্যাগী শক্তিনা দ্রুপদ মিংখৌবা দিব্যদৃষ্টি পীখে, মতম অমদা দ্রুপদ মিংখৌনা মিংথোং অদোবগী পাণ্ডব মচাবু মমাংদৈগী ইন্দ্রমচা অদু ওইনা উবা ফংখি ॥৩৮॥ মহাকনা কনি উবগে হায়বদু পাণ্ডবশিংগী স্বর্গগী মুর্ত্তি অমগী মমি তাবা, অমিৎ মুখা লৈতবা, মনাগী মুকুট অমসুং লৈপরেং, ইন্দ্রমককী মকচাং, নুমিৎ থাগী মতৌগুমনা লংবা মুচু মশেক, মকোক্ত থাগী লৈপরেং, পৃক্কিং মহনবগী মশক ওইবা মুর্ত্তি, মতম তৈবা খিবিঙ্কা পাখং ফাক্কনা ভাজনা

দিব্যৈর্বস্ত্রৈরম্বরজোতিঃ স্রগন্ধৈর্মাল্যৈশ্চাগ্র্যৈঃ শোভমানতীব।
সাক্ষাত্র্যক্ষান্ বা বসূংশ্চাপি রুদ্রানাদিত্যান্ বা সর্ব্বগুণোপপন্নান্ ॥৪০॥
তান্ পূর্ব্বেন্দ্রানভিবীক্ষ্যাভিরূপান্ শক্রাত্মজঞ্চেন্দ্ররূপং নিশম্য।
প্রীতো রাজা দ্রুপদো বিস্মিতশ্চ দিব্যাং মায়াং তামবেক্ষ্যাপ্রমেয়াম্ ॥৪১॥
তাঞ্চৈবাগ্র্যাং স্ত্রিয়মতিরূপযুক্তাং দিব্যাং সাক্ষাৎ সোমবহ্নিপ্রকাশাম্।
যোগ্যাং তেষাং রূপতেজোযশোভিঃ পত্নীং মত্বা হৃষ্টবান্ পার্থিবেন্দ্রঃ ॥৪২॥
স তদ্দৃষ্ট্বা মহদাশ্চর্য্যরূপং জগ্রাহ পাদৌ সত্যবত্যাঃ সুতস্য।
নৈতচ্চিত্রং পরমর্ষে! ত্বয়ীতি প্রসন্নচেতাঃ স উবাচ চৈনম্ ॥৪৩॥

ব্যাস উবাচ।

আসীত্তপোবনে কাচিদৃষেঃ কন্যা মহাত্মনঃ। নাধ্যগচ্ছৎ পতিং সা তু কন্যা রূপবতী সতী ॥৪৪॥
তোষয়ামাস তপসা সা কিলোগ্রেণ শঙ্করম। তামুবাচেশ্বরঃ প্রীতো বৃণু কামমিতি স্বয়ম্ ॥৪৫॥
সৈবমুক্তাব্রবীৎ কন্যা দেবং বরদমীশ্বরম্। পতিং সর্ব্বগুণোপেতমিচ্ছামীতি পুনঃ পুনঃ ॥৪৬॥
দদৌ তস্যৈ স দেবেশস্তং বরং প্রীতমানসঃ। পঞ্চ তে পতয়ো ভদ্রে! ভবিষ্যন্তীতি শঙ্করঃ ॥৪৭॥
সা প্রসাদয়তী দেবমিদং ভূয়োঽভ্যভাষত। একং পতিং গুণোপেতং ত্বত্তোঽর্হামীতি শঙ্কর! ॥৪৮॥

নৈবা পাকচাওরবা মথবাক, ঋাংলবা শাওংশাদা, অমকপা নৈত্রবা লাইগী ফিজোল অমসুং মনম সুংশিরবা, নৈপরেংনা নৈতেংবা অসি পুম্নমক অসি উথি, থাংগৈশেংবা শিবা, বসু 'ময়াম রুদ্রমপৈ অমসুং আদিত্যশিংগী মতৌগুমনা লাইগী গুণমক্কনা তিল্লবা পাণ্ডবশিং অহবু দ্রুপদনা দিব্যদৃষ্টিত্তনা উবা ফংখি ॥৩৯—৪০॥ পুক্নিং হুননবগী মশক ওইরবা, মূর্ত্তিনা মহাককী ওইরবা যুধিষ্ঠির ভীম, নকুল অমসুং সহদেববু অহানবগী ইন্দ্রমরিগুম অহুগা অর্জ্জুনবুনা অকোনবগী অনৌবা ইন্দ্রগুম উবদা অতুগা মখোয়গী মীথোই মিহেনবা প্রমাণ নৈতবা শক্তি অহু উবদা দ্রুপদ নিংথৌ অসি থোইদোকনা নুংঙাইথি অমসুং ঙকখি ॥৪১॥ অতুগা থাংগৈশেংবা সুমিৎ—থামককী মতৌগুম্না লংলবা কুচুনা তিল্লবী, লাইরৈপাককী মূর্ত্তিপুরিবী, থোইন-ফজবী দ্রৌপদীনা শক্তা চুদা অমদি মিংচত্তা মখোয় মগাগী মতিকচারবী লোয়নবী ওইনা স্বর্গলক্ষ্মীনা পোক্লরবনি হায়বসি উবদা অমদি থল্লুবদা দ্রুপদ নিংথৌ অসি নুংঙাই হরাওমনথিহুনা নৈক্কম থংলকত্রে ॥৪২॥ দ্রুপদ নিংথৌনা অত্তকপা অমদি থাজত্রবা থৌদোক অহু উবদা বেদব্যাসগী চরণ কোন্দুনা হায়রকই—"মহর্ষি! থৌদোক অসে মহর্ষিগুম্বদদি থোইনা ঙকক্কম নৈতে" মতুং অহুদা বেদব্যাসনা পেল্লহুনা দ্রুপদ নিংথৌদা হায়খি ॥৪৩॥

বেদব্যাসনা হায়—তাও মহারাজ দ্রুপদ! মমাংদা তপোবন অমদা মহর্ষি অমগী কন্যা অমা নৈরম্মি। মহাক অহু মশক মতৌদি য়াম্না ফজরগা মহাক্কী মতিক চাবা মপুরোয়বা অমতং ফংখিদ্রে ॥৪৪॥ অহুগী তুংদা, কন্যা অহুদা হায়খি—নংনা পাম্বা করিনো হায়" ॥৪৫॥ মহাদেবনা অহুম হায়বিরবদা কন্যা অহুনা "গুণ পুম্নমক্কা তিল্লবা ইপুরোয়বা ফংজগে" হায়বা ঋা অসি মতাক হন্না মহাদেবগী মফমদা হায়খি ॥৪৬॥ মাহদা নুংঙাইরহুনা মহাদেবনা কন্যা অহুদা বর পীহুনা হায়রকই—"ইবেম্মা! নহাক নপুরোয়বা মঙা পুল্লপ ফংগনি" ॥৪৭॥ মতম অহুদা মহাদেববু

তাং দেবদেবঃ প্রীতাত্মা পুনঃ প্রাহ শুভং বচঃ। পঞ্চকৃত্বস্ত্বয়োক্তোঽহং পতিং দেহীতি বৈ পুনঃ ॥৪৯॥
তত্তথা ভবিতা ভদ্রে! বচস্তদ্ভদ্রমস্তু তে। দেহমন্যং গতায়াস্তে সর্ব্বমেতদ্ভবিষ্যতি ॥ ৫০ ॥
দ্রুপদৈষা হি সা জজ্ঞে সুতা বৈ দেবরূপিণী। পঞ্চানাং বিহিতা পত্নী কৃষ্ণা পার্ষত্যনিন্দিতা ॥৫১॥
স্বর্গশ্রীঃ পাণ্ডবার্থন্তু সমুৎপন্না মহামখে। সেহ তপ্ত্বা তপো ঘোরং দুহিতৃত্বং তবাগতা ॥৫২॥
সৈষা দেবী রুচিরা দেবজুষ্টা পঞ্চানামেকা স্বকৃতেনেহ কর্ম্মণা।
সৃষ্টা স্বয়ং দেবপত্নী স্বয়ম্ভুবা শ্রুত্বা রাজন্! দ্রুপদেষ্টং কুরুষ্ব ॥৫৩॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
পঞ্চেন্দ্রোপাখ্যানে নবত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—(০)—

মুংশিহন্দুনা কন্যা অদুনা বা অসি অমুক মহাদেবদা হায়বকই—"শঙ্কর! ঐনা ইবুঙো নঙোন্দা নিজবদি গুণ চেল্লবা ইপুবোযবা অমখক্তনি" ॥৪৮॥ অদুদগী মুংঙাইরবনা মহাদেবনা মঙোন্দা অমুক হায়রকই—"ইবেম্মা! নহাক্লদি ঐঙোন্দা ইপুরোযবা পীয়ু হায়বসি মঙাবক হায়খি" ॥৪৯॥ মরম অদুনা হায়খিবা অহুগুমনা অদুম ওইব তাবে। মঙ্গল ওইয়ু, হযেংমুককী মপোকতা নং নপুরোয়বা মঙাগী সেবা তৌগনি ॥৫০॥ দ্রুপদ নিংথৌ! লাইরেম্বী মশক ওইরবী ঋষিগী মচানুপী অদুনা অমাংপা লৈতনা ফজরবী, পৃষতকী মশুমুপী, দ্রৌপদী অসিগী মপুবোযবদি বিধাতানা হান্নদগী পাণ্ডব মঙা অসি ওইনা শেমথ্রবনে ॥৫১॥ স্বর্গলক্ষ্মী অদুনা ঋষিগী মচানুপী ওইনা পোকলদুনা অকনবা তপস্যা তৌদুনা পণ্ডব মঙা অসিগীদমক্তা যজ্ঞদগী চোংথোরক্না মহাবাজগী নচা ওইনা পোক্লরিবসিনি ॥৫২॥ দ্রুপদ নিংথৌ! থোইদোক্লা নীংথিজববী, লাইথিবিকনসু সেবা তৌবিরি স্বর্গলক্ষ্মীনা মহাকনা তৌরকপা কর্ম্মগী মহৈনা অমসুং মতুংইন্না বিধাতা মশামক্লা মহাকপু পাণ্ডব মঙাগী লোয়নবী ওইননা শীনথ্রবনি। মাসি পুম্নমক অসি তারগা মহারাজনা অমুম ফৈ হাযবা থবক তৌবিবা যাগনি ॥৫৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা "পঞ্চেন্দ্রোপাখ্যান"গী চামগা মরিফুতরা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(দ্রৌপদী লুহোংবগী ৱারী)

(চাম মরিয়ুতরা মাথোই শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

দ্রুপদ উবাচ।

শ্রুত্বা নচত্তথ্যমিদং মহার্থং নষ্টপ্রমোহোহস্মি মহানুভাব!

ন বৈ শক্যং বিহিতস্যাপযানং তদেবেদমুপপন্নং বিধানম্ ॥ ১ ॥

দিষ্টস্য গ্রন্থিরনিবর্ত্তনীয়ঃ স্বকর্ম্মণা বিহিতং নেহ কিঞ্চিৎ।

কৃতং নিমিত্তং হি বরৈকহেতোস্তদেবেদমুপপন্নং বহুনাম্ ॥ ২ ॥

যথৈব কৃষ্ণোক্তবতী পুরস্তান্নৈকান্ পতীন্ মে ভগবান্ দদাতু।

স চাপ্যেবং বরমিত্যব্রবীত্তাং দেবো হি বেত্তা পরমং যদত্র ॥ ৩ ॥

যদি চৈবং বিহিতং শঙ্করেণ ধর্ম্মোঽধর্ম্মো বা নাত্র মমাপরাধঃ।

গৃহ্নন্ত্বিমে বিধিবৎ পাণিমস্যা যথোপজোষং বিহিতৈষাং হি কৃষ্ণা ॥৪॥

ব্যাস উবাচ।

নায়ং বিধির্মানুষাণাং বিবাহে দেবা হ্যেতে দ্রৌপদী চাপি লক্ষ্মীঃ।

প্রাক্ কর্ম্মণঃ সুকৃতাৎ পাণ্ডবানাং পঞ্চানাং ভার্য্যা দেববেপ্রসাদাৎ ॥ ৫ ॥

দ্রুপদনা হায়— পুকচেল চাওরবা! মহর্ষিগী মফমদগী অচুম্ব অওইব ৱা অসি তাবদগী ঐগী চিংনবা মুংডাইতবা পুম্ব কোকথে। লাইনা তমখ্রবা থৌরমবু থিংব ককথৎপা হায়বসিদ মীওইবগী শক্তি লৈতে। মরম অদুনা দ্রৌপদীবু পাণ্ডব মঙাগী মথুক্তা শোয়দনা দান তৌজরগনি ॥১॥ লাইনা তমখিবা থৌদোক হায়বসি ওস্তোক্ল চেংনা হোংব য়াদনা লৈখ্রবনি, মীওইবনা মাদু থিংবা লাকপা ঙম্ব নত্তে। মরম অদুনা জগত্তা মীওইবনা মশা মথন্তগী পাঙ্গম করিগুম্ব থবক অমতা তৌব ঙমদে। মরমদি ঐনা বর অমতনা লক্ষ্য ককপা হায়না পোস্থা তৌরুবদো, হৌজিক্কি পোস্থা অসিদা বর মঙাদুম চোংথোরক্লে ॥২॥ মহাদেবমক্কা অমুমনা শীনখ্রবদা ধর্ম্ম ওইগে ওইসনু, অধর্ম্ম ওইগে ওইসনু, ঐগী ইরাল করিনতা লৈতরে। মীওইবগী চৎনবী নিয়মবু থুগাইদুনা দ্রৌপদীগী মপুরোয়বা মঙা লৈনবা মহাদেবমক্কা শীনখ্রবদি পাণ্ডব মঙামক্কা ইচাদুপীগী মথুক্তেং পাক্লখ্রসনু ॥৪॥ বেদব্যাসনা হায়— চুম্মি, মহারাজ! মীওইবগী বিবাহদা অসিগুম্বা নিয়ম অসি লৈতে। অদুদা পাণ্ডব মঙাদি দেবতা মঙাগী অবতারনি, অদুগা দ্রৌপদীসু স্বর্গ লক্ষ্মীগী শায়োন্নি; মরম অদুনা মমাংদৈদা তৌখিব অফব কর্ম্মনা মরম ওইদুনা দ্রৌপদীনা মহাদেবগী থৌশীল অমদি থৌজালগী মপুরোয়বা মঙাগী

তেষামেবায়ং বিহিতঃ স্বাদ্বিবাহো যথা হ্যেষ দ্রৌপদীপাণ্ডবানাম্।
অন্যেষাং নৃণাং যোষিতাঞ্চ ন ধর্ম্ম স্তাম্নানবোক্তো নরেন্দ্র! ।। ৬ ।।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তত আজগ্মতুস্তত্র তৌ ব্যাসদ্রুপদাবুভৌ। কুন্তী সপুত্রা যত্রাস্তে ধৃষ্টদ্যুম্নশ্চ পার্ষতঃ ।। ৭ ।।
ততোঽব্রবীত্তবান্ ধর্ম্মরাজং পুণ্যাহমস্তৈব যুধিষ্ঠিরেতি।
অদ্য পৌষ্যং যোগমুপৈতি চন্দ্রমাঃ পাণিং কৃষ্ণায়াস্তং গৃহাণাদ্য পূর্ব্বম্ ।।৮।।
এবমুক্ত্বা ধর্ম্মরাজং ভীমাদীনপ্যভাষত। ক্রমেণ পুরুষব্যাঘ্রাঃ পাণিং গৃহ্নন্তু পাণিভিঃ ।। ৯ ।।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততো রাজা যজ্ঞসেনঃ সপুত্রো জন্যার্থমুক্তং বহু তত্তদগ্র্যম্।
সমানয়ামাস সুতাঞ্চ কৃষ্ণামাপ্লাব্য রত্নৈর্বহুভির্বিভূষ্য ।। ১০ ।।
ততস্তু সর্বে সুহৃদো নৃপস্য সমাজগ্মুঃ সহিতা মন্ত্রিণশ্চ।
দ্রষ্টুং বিবাহং পরমপ্রতীতা দ্বিজাশ্চ পৌরাশ্চ যথাপ্রধানাঃ ।। ১১ ।।
তত্তাঽস্য বেশ্মাগ্র্যজনোপশোভিতং বিস্তীর্ণপদ্মোৎপলভূষিতাজিরম্।
বলৌঘরত্নৌঘবিচিত্রমাবভৌ নভো যথা নির্ম্মলতারকান্বিতম্ ।। ১২ ।।

সেবা তৌরগদৌরিবনি ।।৫।। দেবতাশিংগীদি অসিগুম্ব বিবাহ মতৌ অসি লৈ। অদুনা দেবতাগী অবতার ওইবনা দ্রৌপদীনা পাণ্ডবগা হোংগদৌরিবসিনি। অদুদা মহারাজ! অতোপ্প মীচম অমদদি মাসি ধর্ম্ম থোক্কে। মনুসংহিতানচিংবা ধর্ম্ম শাস্ত্রদা তাক্লিবা নিয়মতনা মীগী ধর্ম্ম থোকপা থবক হায়বদু ওইগদৌরিবনি ।।৬।।

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অসিগী তুংদা, মচাশিংগা লোয়ননা কুন্তী অমসুং ধৃষ্টদ্যুম্ননা লৈরিবা মফম অদুদা বেদব্যাসনা অমদি দ্রুপদ নিংথৌ অনিসি লাক্লে ।।৭।। অদুগী তুংদা বেদব্যাসনা যুধিষ্ঠিরদা হায়রকই— যুধিষ্ঠির! ঙসিমক অফবা নুমিৎ থোকলে। মরমদি ঙসিগী নুমিৎ অসি চন্দ্রমানা মচা পীনবা যোগদা লৈ, অদুনা অহানবদা নহাক্না দ্রৌপদীগা বিবাহ তৌ ।।৮।। যুধিষ্ঠিরদা অসুম হায়রগা অতে ভীমনচিংবদসু হায়খি— অকল অথোশা! নখোয় পুম্নমক নথুংমক্না অহল অহল ওইবনা মথং মথং দ্রৌপদীগী মখুৎজেং পায়দুনা বিবাহ তৌ ।।৯।। অদুগী তুংদা, দ্রুপদ নিংথৌনা ধৃষ্টদ্যুম্নগা তিন্নদুনা বর কন্যা অনিগী দমক মমল য়াম্নবা ফরবা পোৎচে ময়াম অদু পুশিল্লক্লে, দ্রৌপদীবু ইরু মায়থঙ-হন্দুনা মখল মথা অয়াম্বা ফিজোল অমদি শনা লুপানা লৈতেংলে ।।১০।। অদুগী তুংদা, দ্রুপদ নিংথৌগী মরূপ মপাং শাগে নাতে পুম্নমক, মন্ত্রী ময়াম ব্রাহ্মণশিং, পাঞ্চাল নগরদা লৈব মী পুম্নমক মপৈ মপৈ ওইনা, অথোই অথোইবা মীশিংনা লুচিংদুনা লুহোংব য়েংবা কোম্নুংদা হাইগৎনরক্লে ।।১১।। অহানবদা মীনায়শিংনা থরো থম্বালনচিংব লৈশু চাইথোক্কুনা শুমাং মাজোল পুখ লৈতেংদুনা থমথ্রবনি। লাম্নীশিংনা ফিজোল অহনবা, ফজ ফজবা শেং চান্দুনা মাগী মাগী মতিক চাবা মফমদা লেপ্লুনা লৈনখি। মফম অয়াম্বদা মণি মুক্তা রত্নমনচিংনা য়েক খোক্কুনা শীংথিজরম্মি, নিংথৌগী মকোক ওইবা কর্ম্মচারীশিংন মাগী মগুণ, ফমগী মতিক চায় চারবা ফজরবা ফিজোল শেক্লুনা

তত্‌স্তু তে কৌরবরাজপুত্রা বিভূষিতাঃ কুণ্ডলিনো যুবানঃ।
মহার্হবস্ত্রাম্বরচন্দনোক্ষিতাঃ কৃতাভিষেকাঃ কৃতমঙ্গলক্রিয়াঃ ॥ ১৩ ॥
পুরোহিতেনাগ্নিসমানবর্চসা সহৈব ধৌম্যেন যথাবিধি প্রভো।।
ক্রমেণ সর্ব্বে বিবিশুস্ততঃ সদো মহর্ষভা গোষ্ঠমিবাভিনন্দিনঃ ॥ ১৪ ॥
ততঃ সমাধায় স বেদপারগো জুহাব মন্ত্রৈর্জ্বলিতং হুতাশনম্।
যুধিষ্ঠিরঞ্চাপ্যুপনীয় মন্ত্রবিন্নিযোজয়ামাস সহৈব কৃষ্ণয়া ॥১৫॥
প্রদক্ষিণং তৌ প্রগৃহীতপাণী সমানয়া-মাস বেদপারগঃ।
বিপ্রাংশ্চ সন্তর্প্য যুধিষ্ঠিরো ধনৈর্গোভিশ্চ রত্নৈর্বিবিধৈশ্চ পূর্ব্বম্ ॥১৬॥
তদা স রাজা দ্রুপদস্য পুত্রিকা— পাণিং প্রজগ্রাহ হুতাশনাগ্রতঃ।
ধৌম্যেন মন্ত্রৈর্বিধিবত্তু তেঽগ্নৌ সহাগ্নিকল্পৈ ঋষিভিঃ সমেত্য ॥১৭॥
ততোঽন্তরিক্ষাৎ কুসুমাণি পেতুর্ববৌ চ বায়ু সুমনোজ্ঞগন্ধ।
ততোঽভ্যনুজ্ঞাপ্য সমাজশোভিতং যুধিষ্ঠিরং রাজপুরোহিতস্তদা ॥১৮॥
বিপ্রাংশ্চ সর্ব্বান্ সুহৃদশ্চ রাজ্ঞঃ সমেত্য রাজানমদীনসত্ত্বম্।
জগাদ ভূয়োঽপি মহানুভাবো বচোঽর্থযুক্তং মনুজেশ্বরং তম্ ॥১৯॥
গৃহ্ণন্তু থান্যে নরদেবকন্যা— পাণিং যথাবন্নরদেবপুত্রাঃ।
তমর্জ্জুনন্দদ্রুপদস্তথা দ্বিজং তথা কুরুষ্বেতি তমাদিদেশ ॥২০॥

ছাইগৎনরক্লে অমস্তুং সভা অদুগী ফজবা হেনগৎহল্লম্মি। অতুনা দ্রুপদ নিংথৌগী ময়ুম কোম্নুং অদু মক্তুবা থব্বানমিচাক্লা থল্লবা অতিয়াগী মতৌগুম্না নীংথিজরম্মি ॥১২॥ অদুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনচিংব নিংথৌ মচাশিং অদুনা ইক মায়থজদুনা মঙ্গলগী মথক তৌরগা কুণ্ডল নাইননচিংব লৈতেং পুম্নমক শেৎচাদুনা আকাশগী মতৌগুম্না পারবা ফিজোন শেগুনা, চন্দন চব্বা যজনা থিল্লহনা গুরুজন অহল লমন থিবিকপু খুরমদুনা, চাওরবা শনজাওশিংনা শঞ্জেনবুংদা চংশিল্লকপগুম মৈগা মাম্না ভেজ লৈরবা পুরোহিত ধৌম্যাচার্য্যগা লোয়ননা বিবাহ মাগুপতা চংলকলে ॥১৩—১৪॥ অদুগী তুংদা বেদ শাস্ত্র অমস্তুং মন্ত্র খংলবা ধৌম্যনা যজ্ঞগী মৈ থাগত্তুনা মন্ত্র থীহনা হোম তৌরক্লে, অহানবদা যুধিষ্ঠিরবু পুশিল্লক্তুনা দ্রৌপদীগা খুজেং পায়নহন্দুনা অনীগী বিবাহ তৌহল্লে ॥১৫॥ অদুগী তুংদা, দ্রৌপদীগা যুধিষ্ঠিরগা অনিবু অমনা অমগী খুৎ পায়নহল্লগা ধৌম্য পুরোহিতনা মখোয় অনিবু যজ্ঞগী মৈ অদু য়েৎলোইননা কোয়হল্লি, অদুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনা অহানবদা শনা লুপা, মণ ইরোই অমস্তুং মথল মখা অয়াম্বা লন-থুমনা ব্রাহ্মণশিংবু পেলহন্দুনা যজ্ঞগী মাংদা দ্রৌপদীগী খুজেং পায়হনা লুহোংখি, পুরোহিত ধৌম্যাচার্য্যনা ঋষি ময়ামগা লোয়ননা হেন্সে অদু লোইশিনখি ॥১৬—১৭॥ অদুগী তুংদা নোংথক্লগী লৈগী নোং চুথখি, মনম সুংশিরবা সুংশিৎ শীৎপা হৌখি, পুকচেল চাওরবা রাজ পুরোহিত ধৌম্যনা যুধিষ্ঠিরগী মত্ত লৌদুনা, ব্রাহ্মণশিং, দ্রুপদ নিংথৌগী মরূপ মপাং শাগে নাতে অমস্তুং দ্রুপদগী মকমদা চংদুনা যুক্তি চানা বা থরদং অমুক হংখি ॥১৮—১৯॥ 'লৈহৌরিবা নিংথৌ মচা পাণ্ডব মনি অসিসু তৌখিবা অসিগুম্বা বিধি কায়দনা দ্রৌপদীগা বিবাহ তৌরসনু হায়ববু·····" মাদু

ক্রমেণ চান্তে চনরাধিপাত্মজা বরস্ত্রিয়াস্তে জগৃহুঃ করং তদা
অহন্যহন্যুত্তমরূপধারিণো মহারথাঃ কৌরববংশবর্দ্ধনাঃ ॥২১॥
ইদঞ্চ তত্রাদ্ভুতরূপমুত্তমং জগাদ বিপ্রর্ষিরতীতমানুষম্।
মহানুভাবা কিল সা সুমধ্যমা বভুব কন্যৈব গতে গতেহহনি ॥২২॥
পতিশ্বশুরতা জ্যেষ্ঠে পতিদেবরতাহনুজে। মধ্যমেষু চ পাঞ্চাল্যাস্ত্রিতয়ং ত্রিতয়ং ত্রিষু ॥২৩॥
কৃতে বিবাহে দ্রুপদো ধনং দদৌ মহারথেভ্যো বহুরূপমুত্তমম্।
শতং রথানাং বরহেমমালিনাং চতুর্যুজাং হেমখলীনশালিনাম্ ॥ ২৪ ॥
শতং গজানামপি পদ্মিনাং তথা শতং গিণামিব হেমশৃঙ্গিণাম্।
তথৈব দাসীশতমগ্র্যযৌবনং মহার্হবেশাভরণাম্বরস্রজম্ ॥ ২৫ ॥
পৃথক্ পৃথগ্ দিব্যদৃশাং পুনর্দদৌ তদা ধনং সৌমকিরগ্নিসাক্ষিকম্।
তথৈব বস্ত্রাণি বিভূষণানি প্রভাবযুক্তানি মহানুভাবঃ ॥ ২৬ ॥

তায়রবদা দ্রুপদনা ধৌম্যবু তরাম তরামনা লুনা ব্যবহার তৌহনা—"মাহমক থোক্লবা তৌবিরো" অসুম হায়রনা খুমখি ॥২০॥ অহুগী তুংদা ফিজোল ফজনা শেৎলবা ভীমনচিংবা পাণ্ডুগী মচা মরিনা নোংম নোংম থেন্না মথং মথং দ্রৌপদীগা লুহোংখি ॥২১॥

যুধিষ্ঠিরগা লুহোংখ্রবা তুংদা, সুমিৎ খুদিংগী অয়ুক অহনবদা ব্রহ্মর্ষি বেদব্যাসনা অঙকপা অমদি মীরমলেন্দা ওন্নবা নীংথিবা ঋাকৈনা দ্রৌপদীদা "নং অমুক কন্যা ওইরে।" অসুম হায়না হায়রম্মি। মাতুংদা, মতিক মগুণ লৈরবী দ্রৌপদীসু লুহোংবদু হেক-হেক লোইবগা ছায়গী ইকায় কায়দনা কন্যা অমুক হেক-হেক ওইখি ॥২২॥ যুধিষ্ঠিরনা দ্রৌপদীগী মফমদা মপুরোয়বা অমসুং মতৌ ওইনা লৈখি, সহদেবনা মহাক্তী মফমদা মপুরোয়বগা মনাও নিপা অনী ওইনা লৈখি, অহুগা ভীম অর্জ্জুন নকুল মথোয় অসিনা অমযমা দ্রৌপদীগী মপুরোয়বা, মতৌ, মনাও নিপা ওইনা লৈখি ॥২৩॥ মথোয় পুরমকী বিবাহ লোইরবা তুংদা নিংথৌ দ্রুপদনা পাণ্ডবশিংগী মফমদা মথল মখা অয়াম্বা কর করবা পোৎচৈ লনথুম অমসুং রথ চামন অউনপোৎ ওইনা পীখি। রথ খুদিংমক্তা সনাগী মুখল ঝালর, সনাহৎপা সগোলচুপ্নি অমসুং সগোল মরি মরি লোইন য়াওরম্মি ॥২৪॥ সনাতগী চীংদোন পানবা চাওরবা চীং চামওযলবা, সনাগী থব্বাল পরেংন লৈতেংলবা শামু চাম, মমল য়ামলবা ফিজোল লৈতেংনা নীংথিজরবী মথোৎ কারকলবী মীনায় নুপী চাম অউন পোৎ ওইনা দান তৌখি ॥২৫॥ পুকচেল চাওরবা দ্রুপদ নিংথৌনা অগ্নিদেবতাবু শাক্ষী ওইনা থমহুনা পাণ্ডব খুদিংদা তোঙাল তোঙানা মিত্তা ফজরবী মীনায় নুপী কয়া-কয়া শনা লুপা কীয়োলনচিংবগা লোয়নননা দান তৌখি ॥২৬॥ বিবাহ লোইরবা অসিগী তুংদা ইন্দ্রগা মায়না করবা পাণ্ডবশিংনা মণিমুক্তা কয়াম্না লৈতেং ওইরহুনা

কৃতে বিবাহে তু ততস্তু পাণ্ডবাঃ প্রভূতরত্নামুপলভ্য তাং শ্রিয়ম্ ।
বিজহ্রুরিন্দ্রপ্রতিমা মহাবলাঃ পুরে তু পাঞ্চালনৃপস্য তস্য হ ॥ ২৭ ॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বৈবাহিকে
দ্রৌপদবিবাহে একনবত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।১৯১।

—•(*)•—

স্বর্গলক্ষ্মীগা মান্নরবী দ্রৌপদীগা লোয়ননা দ্রুপদগী কোম্নংদা মুংঙাইনা হরাও তয়ামনা শান্নতুনা লৈখি ।।২৭।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোকলিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা দ্রৌপদীবিবাহগী চামগা মবিফুতরামথোই শুবা অধ্যায লোইরে ।।০।।

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম্

(কৃষ্ণনা অউন পোং পোপাং থারকপা)

(চামা মরিফুতরা নিথোই শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

পাণ্ডবৈঃ সহ সংযোগং গতস্য দ্রুপদস্য হ । ন বভূব ভয়ং কিঞ্চিদ্দেবেভ্যোঽপি কথঞ্চন ॥১॥
কুন্তীমাসাদ্য তা নার্য্যো দ্রুপদস্য মহাত্মনঃ । নাম সঙ্কীর্ত্তয় ন্ত্যোঽস্যা জগ্মুঃ পাদৌ স্বমূর্দ্ধভিঃ ।২।
কৃষ্ণা চ ক্ষৌমসংবীতা কৃতকৌতুকমঙ্গলা । কৃতাভিবাদনা শ্বশ্র্বাস্তস্থৌ প্রহ্বা কৃতাঞ্জলিঃ ॥৩॥
রূপলক্ষণসম্পন্নাং শীলাচারসমন্বিতাম্ । দ্রৌপদীমবদৎ প্রেম্ণা পৃথাশীর্ব্বচনং স্নুষাম্ ॥ ৪ ॥
যথেন্দ্রাণী হরিহয়ে স্বাহা চৈব বিভাবসৌ । রোহিণী চ যথা সোমে দময়ন্তী যথা নলে ॥ ৫ ॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—দ্রুপদ নিংথৌনা পাণ্ডবশিংগা ঙাইশেনগী সমন্ধদা তিন্নখিদুনা স্বর্গগী লাইশিংদগীমকসু অকিবা লৈখিদ্রে ।।১।। পুকচেল চাওরবা দ্রুপদ নিংথৌগী রাণীশিংনা কুন্তীদা চরণ শোকনা খুরমখি ।।২।। দ্রৌপদীনা নীংথিজরবা ফিশেং শেত্তুনা মঙ্গলগী থবক থামা পুমনমক লোইরগা মনেম কুন্তীদেবীগী নাক্ত চংখিদুনা তুমিন্না লেপ্লুনা লৈখি ।।৩।। 'কুন্তীনসু মুংশিবগা লোয়ননা মশক মতৌ ফজরবী, অফবা লক্ষণতনা তিন্নবী, মরমচৎ ফজরবী মচৌমুপী দ্রৌপদীবু আশীর্ব্বাদ তৌখিখি ।।৪।।

ইন্দ্রগী শচীগী মতৌগুম, মৈগী স্বাহানা তৌবগুম,
চন্দ্রগী রোহিণীনা ওইবগুম নলগী দময়ন্তীনা তৌবগুম

যথা বৈশ্রবণে ভদ্রা বশিষ্ঠে চাপ্যরুন্ধতী। যথা নারায়ণে লক্ষ্মীস্তথা ত্বং ভব ভর্ত্তৃষু ॥৬॥
জীবস্বর্বীরসূর্ভদ্রে! বহুসৌখ্যগুণান্বিতা। সুভগা ভোগসম্পন্না যজ্ঞপত্নী পতিব্রতা ॥ ৭ ॥
অতিথীনাগতান্ সাধূন্ বৃদ্ধান্ বালাংস্তথা গুরূন্। পূজয়ন্ত্যা যথান্যায়ং শশ্বদগচ্ছন্তু তে সমাঃ ॥৮॥
কুরুজাঙ্গলমুখ্যেষু রাষ্ট্রেষু নগরেষু চ। অনু ত্বমভিষিচ্যস্ব নৃপতিং ধর্ম্মবৎসলা ॥৯॥
পতিভির্নির্জ্জিতামুর্ব্বীং বিক্রমেণ মহাবলৈঃ। কুরু ব্রাহ্মণসাৎ সর্ব্বামশ্বমেধে মহাক্রতৌ ॥১০॥
পৃথিব্যাং যানি রত্নানি গুণবন্তি গুণান্বিতে!। তান্যাপ্নুহি ত্বং কল্যাণি! সুখিনী শরদাং শতম্ ॥১১॥
যথা চ ত্বাভিনন্দামি বধ্বদ্য ক্ষৌমবাসসম্। তথা ভূয়োঽভিনন্দিষ্যে জাতপুত্রাং গুণান্বিতাম্ ॥১২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততস্তু কৃতদারেভ্যঃ পাণ্ডুভ্যঃ প্রাহিণোদ্ধরিঃ। মুক্তাবৈদূর্য্যচিত্রাণি হৈমান্যাভরণানি চ ॥ ১৩ ॥
বাসাংসি চ মহার্হাণি নানাদেশ্যানি মাধবঃ। কম্বলাজিনরত্নানি স্পর্শবন্তি শুভানি চ ॥ ১৪ ॥

কুবেরগী লোয়নবী ভদ্রাগুম বশিষ্ঠগী অরুন্ধতীনা ওইবগুম
নারায়ণগী লক্ষ্মীনা লৈবগুম নহাকসু নপুরোয়বশিং অসিগী
মতিক চারবী লোয়নবী ওইরেদো ইবেম্মা নহাক্তি ॥৫—৬॥

মতম কুইনা পুনশিন্নু, অকনবা নচা পোকউকো, সুংঙাই য়াইফ ফংজনা, নগুণচেনবী ওইহনা,
চানীং শেংনীং ননীং থুংনা, মপুরোয়বশিং অসিগী, যজ্ঞদা লোয়নবী ওইজনা,
মপুরোয়বা নীংবা সতী ওইহনা পুনশি ভোলোইনা পাল্লুকো ॥৭॥

অতিথি, লমদগী লাকপা মী, সাধু, অভাং, অহল লম্মল লাইগুরুনচিংবা পুমনমককী সেবাত তৌজনা মতম কুইনা পুনশি লেনবা ওইয়ু ॥৮॥ কুরু জাঙ্গল কৌবা লমদা হেক লৈরিবা লৈবাক অমদি নগর পুম্নমক অসিগী মপু ওইজনা নপুরোইবা নিংথৌগা লোয়ননা অভিষেক তৌজনা ধর্ম্মদা পুক্নিং চংবী ওইহনা মতম কুইনা পুনশিযু ॥৯॥ মপাঙ্গল কল্লবা নপুরোইবা মভানা মশাগী মপঙ্গাল্লা জয় তৌরকপা লৈপাক লনথুম পুমনমক অদো নংনা অশ্বমেধ যজ্ঞদা ব্রাহ্মনশিংদা দান তৌথোকপা ঙম্বা ওইযুকো ॥১০॥ গুণচেন্নবী! পৃথিবীদা লৈরিবা ফর-ফরবা মমল য়ামলবা, মণি মুক্তা পুম্নমক অসি নংনা ফংবা ওইযুকো, মঙ্গলগী মশক ওইরবী! সুংঙ য়না চহি চামা পুনশিজনা লৈয়ু ॥১১॥ ইনেমগী ইবেম্মা! ঙসি নিংথিবা ফিগেং ফিজোন শেংলিঙৈ অসিদা ইনেমনা নংবু স্বাগত তৌরি; অসিগুমন্না অমুকহন্ন নচা পোকলবা তুংদা নরাইবক ফবী ওইরবা তুং অতুদা ইনেমনা অমুক্ত স্বাগত তৌগেকো ॥১২॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি—অদুগী তুংদা পাণ্ডবশিংনা লুহোংগে, হায়রবসি তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা পাণ্ডবশিংগীদমক মুক্তা অমসুং বৈদূর্য্য কৌবা মণিনা হংলবা মথল মথা অরাম্বা লৈতেং কয়া থুরোন অউন পোৎকী মশক ওইনা থারকখি ॥১৩॥ মথল মথা অয়াম্বা রেশমগী থোকপা মমল য়ামলবা ফি, শোকপদা সুংঙাইরবা কম্বল অমসুং কৈমডউন, অকবা রত্ন, মথল মথা অয়াম্বা চাউর চাউরবা ফমুং, ফিদা, লোলাই অমসুং বৈদূর্য্য মণি অমসুং হীরানা থামলবা পুথম তেজোং চামা চামা, মশক মতৌ ফজরবা মথোংকারকপী মপুকচেক ফজবী মপুকহেল চাউবী মথল মথা

শয়নাসনযানানি বিবিধানি মহান্তি চ। বৈদূর্য্যবজ্রচিত্রাণি শতশো ভাজনানি চ ॥ ১৫ ॥
রূপযৌবনদাক্ষিণ্যৈরুপেতাশ্চ স্বলঙ্কৃতাঃ। প্রেষ্যাঃ সম্প্রদদৌ কৃষ্ণো নানাদেশ্যাঃ সহস্রশঃ ॥১৬॥
গজান্ বিনীতান্ মদ্রাংশ্চ সদশ্বাংশ্চ স্বলঙ্কৃতান্। প্রাংশুদান্তৈঃ সুবর্ণৈশ্চ রথানশ্বৈরলঙ্কৃতান্ ॥১৭॥
কোটিশশ্চ সুবর্ণঞ্চ তেষামকৃতকং তথা। বীথীকৃতমমেয়াত্মা প্রাহিণোন্মধুসূদনঃ ॥ ১৮ ॥
তৎ সর্ব্বং প্রতিজগ্রাহ ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ। মুদা পরময়া যুক্তো গোবিন্দপ্রিয়কাম্যয়া ॥ ১৯ ॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বৈবাহিকে
শ্রীকৃষ্ণোপহারপ্রেষণে ত্রিনবত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—(*)—

অয়াম্বা লৈতে না নিংখিরবী অতোপ অতোপ্পা লমগী যুবতি কয়া মীনাইনুবীগী মশক ওইনা শ্রীকৃষ্ণনা পাণ্ডবশিংগীদমক্তা থারকলি ॥১৪—১৬॥ অদুগা নিংখিনা তম্বিহনা হৈরবা শামু কয়া, মদ্রদেশগী লৈতেংগা লোয়নরবা শগোল কয়া অমম্বুং ম্বাং চাউরবা, শাওং শাদা ফজরবা শগোলগী লোয়ননা রথ কয়া, সনা তাঙ্গা কোটি অমুগা খোংদগী ফুকপদা শায়রিবা সনা অহিংবা মপৈ-মপৈ শ্রীকৃষ্ণনা পাণ্ডবশিংগীদমক থারকথি ॥১৭—১৮॥ ধর্ম্ম রাজ যুধিষ্ঠিরনা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগীদমক্তা অসি হরাও-হরাওনা ফিগাও শানা লৌশিনখি ॥১৯॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা বিবাহগী মতুংদা শ্রীকৃষ্ণনা পোৎপাং থারকপগী চাযগা মরিফুত্তরানিথোই শুধা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——০:(*):০——

শ্রীমহাভারতম্

(বিদুরনা লাকপা, লৈবাক কংবগী অমসুং দুর্য্যোধনগী খাণ্ডাং)

(চাম্মা মরিমুক্তরা হুমদোই শুবা অধ্যায়)

——:(০):——

বৈশম্পায়ন উবাচ

ততো রাজ্ঞাং চরৈরাপ্তৈঃ প্রবৃত্তিরুপনীয়ত । পাণ্ডবৈরুপসম্পন্না দ্রৌপদি পতিভি শুভা ॥১॥

যেন তদ্ধনুরাদায় লক্ষ্যং বিদ্ধং মহাত্মনা । সোহর্জ্জুনো জয়তাং শ্রেষ্ঠো মহাবাণধনুর্দ্ধর ॥২॥

যঃ শল্যং মদ্ররাজং বৈ প্রোৎক্ষিপ্যাপাতয়দ্বলী । ত্রাসয়ামাস সংক্রুদ্ধো বৃক্ষেণ পুরুষান রণে ॥৩॥

ন চাস্য সম্ভ্রম. কশ্চিদাসীত্তত্র মহাত্মনঃ । স ভিমো ভীমসংস্পর্শ শত্রুসেনাপ্রতাপনঃ ॥৪॥

ব্রহ্মরূপধরান্ শ্রুত্বা প্রশান্তান্ পাণ্ডুনন্দনান্ । কৌন্তেয়ান্মনুজেন্দ্রাণাং বিস্ময় সমজায়ত ॥৫॥

সপুত্রা হি পুরা কুন্তী দগ্ধা জতুগৃহে শ্রুতা । পুনর্জাতামিব চ তাং তেহমন্যন্ত নরাধিপাঃ ॥৬॥

ধিগকুর্ব্বংস্তদা ভীষ্মং ধৃতরাষ্ট্রঞ্চ কৌরবম্ । কর্ম্মণাতিনৃশংসেন পুরোচনকৃতেন বৈ ॥৭॥

বৃত্তে স্বয়ম্বরে চৈব রাজানঃ সর্ব্ব এব তে । যথাগতং বিপ্রজগ্মুর্বিদিত্বা পাণ্ডবান্ বৃতান্ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অসিগী তুংদা থাজব য়ারবা অরোনবা লাম্থি পাউ পুবাশিংনা নিংথৌগী মফমদা— পাণ্ডবশিংনা স্বয়ম্বরদা দ্রৌপদীবু মথোয়গী মুপী ওইনা ফংখ্রে, অমুম হায়না পাউ পিররে ॥১॥ ময়ামগী মমাংদা পূকচেল চাউরবা মরীন লৈরবা মহাক অহুনা লীকং পায়থত্তুনা লক্ষ্য ককখিবা নিপা অদো লানত্থগী মপুংদা অথোইবা অর্জ্জুন ওইরম্মে ॥২॥ অদুগা মপাঙ্গল কল্লবা মদ্র নিংথৌ শল্যবু থাজৎতুনা লৈমাই থক্তা লংথখিবা অহৎগা অশাওবগা লোয়ননা উপাম্বী অমবু মক্ত য়াওনা ফুরুগা লানফমগী মপুংদা অকনবা কয়াবু মীপাইহনখিবা অদুগা অমুকস্থ অহ য়োরবা কাউবদা মীপাইবা অহাবা লৈখিদবা মশা কল্লবা উইরবা য়েক্লবা পূম্নমক মাংহনবা নিপা অদো ভীম ওইরম্মে ॥৩—৪॥ পাণ্ডবশিংনা ব্রাহ্মণগী মশক লৌরদুনা ব্রাহ্মণশিংগী মরক্তা অশাওবা সুংঙাইত্তবা য়াওদনা লৈরম্মি হায়বহু তাবদা নিংথৌশিংগী পুক্লিংদা অঙকপা পোকখি ॥৫॥ মরমদি কুন্তীদি মচাশিংগা লোয়ননা চাশং মৈ চাকপদা উৎ ওইখ্রে, হায়বদি হাম্না তাদনা লৈখ্রবদি; অদুবু হন্দক অমুক পাউ অসি তাবদা কুন্তী অসি অমুক মচাশিংগা লোয়ননা পোক্রক্লবোরে অমুম হায়না ময়াম্না থাজখি ॥৬॥ মতম অদুদা লৈপাক লৈপাক্কী নিংথৌশিংনা পুরোচননা তৌখিবা তমথিরবা, সুংশিহৈত্রবা থবক অদুনা ভীষ্ম অমদি ধৃতরাষ্ট্রবু হন্না হন্না নিন্দা তৌখি ॥৭॥ দ্রৌপদীনা পাণ্ডবশিংবু মপুরোইবা ওইনা থনখ্রে, অহনা স্বয়ম্বরগী থবক পূম্নমক লোইশিনখ্রে, হায়বা খারম অসি তাবদা নিংথৌশিংনা

অথ দুর্যোধনো রাজা বিমনা ভ্রাতৃভিঃ সহ । অশ্বত্থাম্না মাতুলেন কর্ণেন চ কৃপেণ চ ।।৯।।
বিনিবৃত্তো বৃতং দৃষ্ট্বা দ্রৌপদ্যা শ্বেতবাহনম্ । তন্তু দুঃশাসনো ব্রীড়ন্ মন্দং মন্দমিবাব্রবীৎ ।।১০।।
যদ্যসৌ ব্রাহ্মণো ন স্যাদ্বিন্দেত দ্রৌপদীং ন সঃ । ন হি তং তত্ত্বতো রাজন্ ! বেদ কশ্চিদ্ধনঞ্জয়ম্ ।।১১।।
দৈবঞ্চ পরমং মন্যে পৌরুষঞ্চাপ্যনর্থকম্ । ধিগস্তু পৌরুষং মন্দং যদ্ধরন্তীহ পাণ্ডবাঃ ।।১২।।
এবং সংভাষমাণাস্তে নিন্দন্তশ্চ পুরোচনম্ । বিবিশুর্হাস্তিনপুরং দীনা বিগতচেতসঃ ।। ১৩ ।।
ত্রস্তা বিগতসঙ্কল্পা দৃষ্ট্বা পার্থান্ মহৌজসঃ । মুক্তান্ হব্যভুজশ্চৈব সংযুক্তান্ দ্রুপদেন চ ।। ১৪ ।।
ধৃষ্টদ্যুম্নন্তু সঞ্চিন্ত্য তথৈব চ শিখণ্ডিনম্ । দ্রুপদস্যাত্মজাংশ্চান্যান্ সর্ব্বযুদ্ধবিশারদান্ ।। ১৫ ।।
বিদুরস্ত্বথ তাং শ্রুত্বা দ্রৌপদীং পাণ্ডবৈর্বৃতাম্ । ব্রীড়িতান্ ধার্ত্তরাষ্ট্রাংশ্চ ভগ্নদর্পানুপাগতান্ ।।১৬।।
ততঃ প্রীতমনাঃ ক্ষত্তা ধৃতরাষ্ট্রং বিশাংপতে ! । উবাচ দিষ্ট্যা কুরবো বর্দ্ধন্ত ইতি বিস্মিতঃ ।। ১৭।।
বৈচিত্রবীর্য্যস্তু নৃপো নিশম্য বিদুরস্য তৎ । অব্রবীৎ পরমপ্রীতো দিষ্ট্যা দিষ্ট্যেতি ভারত ।।১৮।।
মন্যতে স বৃতং পুত্রং জ্যেষ্ঠং দ্রুপদকন্যয়া । দুর্য্যোধনমবিজ্ঞানাৎ প্রজ্ঞাচক্ষুর্নরেশ্বরঃ ।। ১৯ ।।

মাগী মাগী মরৈবাক্তা হন্নখি ।।৮।। দ্রৌপদীনা মশাবু অর্জ্জুনদা বোরি থরে হাযবসি খংলবদা মুংঙায়ত্তবা কল্লকপনা লাংতক্লরবা দুর্য্যোধন অসি মনাওশিং, অশ্বত্থামা, শকুনি, কর্ণ অমসুং কৃপাচার্য্যগা লোয়ননা হল্লক্রে। মতম অদুদা দুঃশাসননা ইকাই ইকাইনা দুর্য্যোধনদা হাযরকই ।।৯—১০।। লক্ষ্মী ককখিবা নিপা অদুনা ব্রাহ্মণবু ওইরমদ্রবদি লক্ষ্য অদু ককপা থক ঙমলম্মোইদবনি, অদুগা কনানসু মহাকপু ভাংদাংন অর্জ্জুননি হাযবস্ম থংখিদে ।।১১।। ঐনা থঙ্গবদি মরাইবক্ত তনখিবা হায়বসিনা মকপ্লে, "নিপা-থোক্ল থবক তৌব" বুদি "মবাইবক্ত লাইন তমখ্ৰা" হায়বসিনা কননা হেল্লি। মরম অদুনা "মথৌনান নিপাথোক্ল থবক তৌবা" অমসুং অশিংবা মন্ত্রীশিংগা "মন্ত্রনা তৌবা" অনি অসিবু হন্না হন্না নিন্দা তৌরি, হৌজিক ফাওববু পাণ্ডবশিংনা হিংতনা লৈরি হাযবসিমক্লা প্রমাণ মওইরে ।।১২।। মপাজল পাণ্ডবশিংনা চায়ুম মৈচাকপদগী নান্থোক্ত্না হিংখিবা, পাণ্ডবশিংনা খুকল পাঙ্গল্লবা দ্রুপদগা ভাই শেল থোক্লখিবা, ধৃষ্টদ্যুম্ন, শিখণ্ডী অমদি লান্দা হৈ-শিংলবা দ্রুপদগী মচাশিং অহ নিংশিং নিংশিংত্তুনা রাম্না সুংঙাইতনা মায়থোং লাংশিন্দুনা, পুক্লিংদা তপথবা লৈতনা কিন কিনা, তৌগে হায়না খনবা পুমনমক কায়দুনা মথোয় পুমনমক হস্তিনাপুর তাম্ন চংখি ।।১৩—১৫।। অসিগী তুংদা, পাণ্ডবশিংনা দ্রৌপদীবু লৌখ্রে, হায়বা অমসুং ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা নাপল তেক্ত্না ইকাই ইকাই তল্লক্রে হায়বা তাবদা বিদুরনা সুংঙাইরম্না অমসুং ওক্লগনা ধৃতরাষ্ট্রগী মফমদা হায়খি, মহারাজ! লাইবক ফবনা কুরুশাগে চাওথংলে।" ।।১৬—১৭।। ধৃতরাষ্ট্রনা বিদুরগী মচিন্দগী ব্রা অসি তাবদা থোইদোক্লা হরাও বম্না লোয়ননা "লাইনা তবনি। লাইবক ফবনি।" অন্থুম হাম্না হায়খি ।।১৮।। ধৃতরাষ্ট্রনা সুংঙাইখিবগী মরমদি মহাক্কি পোকপদগী মমিৎ তুরে, অদুনা উদবনিনা দ্রৌপদী অসিনা মশামক্তী মচানিপা অহল

অথ খ্যাজাপয়ামাস দ্রৌপদ্যা ভূষণং বহু। আনীয়তাং বৈ কৃষ্ণেতি পুত্রং দুর্য্যোধনং তদা ॥২০॥
অথাস্ত পশ্চাদ্বিদুর আচখ্যৌ পাণ্ডবান্ বৃতান্। সর্ব্বান কুশলিনো বীরান্ পূজিতান্ দ্রুপদেন হ ॥২১॥
তেষাং সম্বন্ধিনশ্চান্যান্ বহূন্ বলসমন্বিতান্। সমাগতান্ পাণ্ডবৈস্তৈস্মিন্নেব স্বয়ম্বরে ॥ ২২ ॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

যথৈব পাণ্ডোঃ পুত্রাস্তে তথৈবাভ্যধিকা মম। যথা চাভ্যধিকা বুদ্ধির্মম তান্ প্রতি তচ্ছৃণু ॥২৩॥
যত্তে কুশলিনো বীরা মিত্রবন্তশ্চ পাণ্ডবাঃ। তেষাং সম্বন্ধিনশ্চান্যে বহবশ্চ মহাবলাঃ ॥ ২৪ ॥
কো হি দ্রুপদমাসাদ্য মিত্রং ক্ষত্তঃ সবান্ধবম্। ন বুভূষেদ্ভবেনার্থী গতশ্রীরপি পার্থিবঃ ॥ ২৫ ॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তং তথা ভাষমাণন্তু বিদুরঃ প্রত্যভাষত। নিত্যং ভবতু তে বুদ্ধিরেবা রাজন্! শতং সমাঃ।
ইত্যুক্ত্বা প্রযযৌ রাজন্। বিদুরঃ স্বং নিবেশনম্ ॥ ২৬ ॥
ততো দুর্য্যোধনশ্চাপি রাধেয়শ্চ বিশাংপতে!। ধৃতরাষ্ট্রমুপাগম্য বাচোহব্রূতামিদং তদা ॥২৭॥
সন্নিধৌ বিদুরস্থ ত্বাং দোষং বক্তুং ন শক্নুবঃ। বিবিক্তমিতি বক্ষ্যাবঃ কিং তবেদং চিকীর্ষিতম্ ॥২৮॥
সপত্নবৃদ্ধিং যত্তাত! মন্যসে বৃদ্ধিমাত্মনঃ। অভিষ্টৌষি চ যৎ ক্ষত্তঃ সমীপে দ্বিপদাং বর ॥ ২৯ ॥

দুর্য্যোধনবু মপুরোয়বা ওইনা খনখ্রবোরে হায়না মপুক্লিংদা নীংখি ॥১৯॥ অদুগী তুংদা বিদুরনা ধৃতরাষ্ট্রদা অদুম হায়না তমখি— "দ্রৌপদীনা পাণ্ডবশিংবু মপুরোযবা ওইনা খনখ্রে; মখোয় পুম্ব অনা অয়েক য়াওদনা মুংঙাইনা লৈরি, দ্রুপদ নিংথৌনা মখোয়বু ওবাম তরাম তৌখি, অদুগা স্বয়ম্বর অদুদা তিন্নররিবা য়াম্বনা মরী লৈনবা মুংশিনবা মী পুমনমক্কা পাণ্ডবশিংগা অমতা ওইনখ্রে, তিন্নখ্রে," হায়রবসি বিদুরনা ধৃতরাষ্ট্রদা তমখি ॥২০—২২॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়খি— বিদুর! পাণ্ডুগী মচাশিংনা মপা পাণ্ডুগী মকমদা মুংশিনকম ওইবা অদুগুম্না ঐগী ইকমদসু মুংশিনকম চাম্নকম হুদুম্মক মওইরিবনি। অদুগা ঐগী থব্রাই হকচাং অসে মখোয় রোমদা ইতত্ততনা ওনশিন্দুনা ঙাক্কা লৈরিবনি, মাদুগী মরমসু তাও ॥২৩॥ বিদুর! কল্লবা পাণ্ডবশিংনা মঙ্গল ওইদুনতা লৈরিবা, মীচং শংগন য়াম্বনা লৈরক্লিবা অদুগা অতোপ অতোপ্পা কনথৌরবা মীশিং অমদি নিংথৌশিংনা মখোয়গী শাগৈ নাতৈ ঙাইশেল ওইরক্লিবা অসি পুমনমক্কী মরম লৈ, মাদু তাও ॥২৪॥ বিদুর! করম্বা নিংথৌনা মরন মথুম মাংখ্রবসু মথাপ মপাং মচা মগু পুমনমক্কা লোয়নরবা দ্রুপদ নিংথৌবু ফংজরবদা মহাক্কী মফমদা সম্পত্তি অদুবু নিরোইদবা অমদি পাম্মোইদবা কনা লৈবগে? ॥২৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—ধৃতরাষ্ট্রনা অদুম হায়রবদা বিদুরনা হায়রকই— মহারাজ! মহারাজগী অসিগুম্বা বুদ্ধি অসি চহি চামা চুপনা লৈবা ওইসনু হাসি হায়রমকগা বিদুরদু মযুমদা চৎখি ॥২৬॥ মহারাজ জনমেজয়! অসিগী তুংদা দুর্য্যোধনগা কর্ণগা অনি অসি ধৃতরাষ্ট্রগী নাক্তা লাক্খি অদুগা বা অসি হায়রে—মহারাজ! বিদুর লৈরদুনা মহারাজগী অরানবা থব লৈবসি হংগৎচবা ঙম্মদে; হৌজিক্তি মীচিকলিঙৈসিদা হজচ্চগে তাবিয়ু হৌজিক মহারাজনা পাম্বিরিবসি করিনো? ॥২৭—২৮॥ দুর্য্যোধননা হায়—পাবুং মহারাজ! য়েক্লবগী চাউখৎপা পাউ তারগা পাবুং মপামক্কী চাউখৎপনি

অস্মিন্ নৃপ ! কর্ত্তব্যো ত্বমদ্যৎ কুরুবেহনঘ । তেষাং বলবিঘাতো হি কর্ত্তব্যস্তাত ! নিত্যশঃ ॥৩০॥
তে বয়ং প্রাপ্তকালস্য চিকীর্ষাং মন্ত্রয়ামহে । যথা নো ন গ্রসেয়ুস্তে সপুত্রবলবান্ধবান্ ॥৩১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
বিদুরগমনরাজ্যলাভে দুর্যোধনবাক্যে অষ্টাশীত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০):—

থনবিরি, করিনা হায়ববু হৌজিক্কা বিদুরগী মাংদা পাণ্ডবশিংবু থাগৎপিখি ॥২৯॥ মহারাজ ! তৌগদবা থবক অহদি তৌবিদহনা তৌয়োইদবা ওয়তৈনবা ঙাক্কা তৌবিরে। পাবুং মতম লৈবখি-বিক্কা পাণ্ডবশিংগী মপাঙ্গল মথৌনা ঝ্বাৎননবা থবক অসি ঐখোযনা ওম্মিমথৈ তৌকম থোকই ॥৩০॥ হৌজিক্তি ঐখোয় মতম অসিগী চপচাবা মন্ত্রনা তৌজরগনি, পাণ্ডবশিংনা তুংদা ঐখোযবু ইচা ইশু, পাঙ্গল অমদি মরূপ মপাং শাগে নাত্তেগা লোয়ননা মাংহনখিবা ঙমদনবা মন্ত্রনা অতু তৌবতাই ॥৩১॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা বিদুর লাকপা রাজ্যলাভগী মতাংদা দুর্যোধননা ঝ্বাংবা চামগা মরিফুত্তরাহুমদোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম

(বিদুরলাকপা দুর্যোধনগা ঝ্বা তানবা)

(চামা মরিফুত্তরামরি শুবা অধ্যায়)

—:(০):—

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ ।

অহমপ্যেবমেবৈতচ্চিকীর্ষামি যথা যুবাম্ । বিবেক্তুং নাহমিচ্ছামি কার্য্যন্তু বিদুরং প্রতি ॥১॥
ততস্তেষাং গুণানেব কীর্ত্তয়ামি বিশেষতঃ । নাববুধ্যেত বিদুরো মমাভিপ্রায়মিঙ্গিতৈঃ ॥২॥
যচ্চ ত্বং মন্যসে প্রাপ্তং তদ্ব্রবীহি সুযোধন ! । রাধেয় ! মন্যসে যচ্চ প্রাপ্তকালং বদাশু মে ॥৩॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়খি— নখোয়না হৌজিক থল্লিবা নিংলিবাদো ঐস্থ অমগুমনা থল্লি অমদি নীংলিবনি। ঐনা বিদুরগী মফমদা ঐখোয়না তৌগদৌবা বিষয় পূমনক অহু লোইনা তেংনা হায়দোকনিংদে অমদি হায়খিবসু তৌদে ॥১॥ অমনক্তনা ঐনা বিদুরগী মফমদা পাণ্ডবশিংগী মগুণ থোইদোক্লা থাগৎখিবনি। অমুনা বিদুরনা ঐগী ঝ্বাতাং শাওং শাথেক্লা ঐনা থল্লিবসি করিস্থু খংবা ঙম্বা পোৎ নত্তে ॥২॥ অদুনা দুর্যোধন ! নংনা অদুম কৈ হায়না থমবদো হায়রু তাসি। কর্ণ ! নংস্থ হায়রু, হৌজিকী মতম

দুর্য্যোধন উবাচ।

অদ্য তান্ কুশলৈর্বিপ্রৈঃ সুকৃতৈরাপ্তকারিভিঃ। কুন্তীপুত্রান্ ভেদয়ামো মাদ্রীপুত্রৌ চ পাণ্ডবৌ ॥৪॥
অথবা দ্রুপদো রাজা মহদ্ভির্বিত্তসঞ্চয়ৈঃ। পুত্রাশ্চাস্য প্রলোভ্যন্তামমাত্যাশ্চৈব সর্ব্বশঃ ॥৫॥
পরিত্যজেদযথা রাজা কুন্তীপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্। অথ তত্রৈব বা তেষাং নিবাসং রোচয়ন্তু তে ॥৬॥
ইহৈষাং দোষবদ্বাসং বর্ণয়ন্তু পৃথক্ পৃথক। তে ভিদ্যমানাস্তত্রৈব মনঃ কুর্বন্তু পাণ্ডবাঃ ॥৭॥
অথবা কুশলাঃ কেচিদুপায়নিপুণা নরাঃ। ইতরেতরতঃ পার্থান্ ভেদয়ন্ত্বনুরাগতঃ ॥৮॥
ব্যুত্থাপয়ন্তু বা কৃষ্ণাং বহুত্বাৎ সুকরং হি তৎ। অথবা পাণ্ডবাং স্তস্যাং ভেদয়ন্তু ততশ্চ তাম্ ॥৯॥
ভীমসেনস্য বা রাজন্! উপায়কুশলৈর্নরৈঃ। মৃত্যুর্বিধীয়তাং ছন্নৈঃ স হি তেষাং বলাধিকঃ ॥১০॥
তমাশ্রিত্য হি কৌন্তেয়ঃ পুরা চাস্মান্ ন মন্যতে। স হি তীক্ষ্ণশ্চ শূরশ্চ তেষাঞ্চৈব পরায়ণম্ ॥১১॥
তস্মিন্নভিহতে রাজন্! হতোৎসাহা হতৌজসঃ। যতিষ্যন্তে ন রাজ্যায় স হি তেষাং ব্যপাশ্রয়ঃ ॥১২।
অজয্যো হ্যর্জ্জুনঃ সংখ্যে পৃষ্ঠগোপে বৃকোদরে। তমৃতে ফাল্গুনো যুদ্ধে রাধেয়স্য ন পাদভাক্ ॥১৩॥

অসিগা চপ চান্নবা থবক অসি নংগী মতদা করিরলৈ থুনা হায়যু ॥৩॥ দুর্য্যোধননা হাযরকই— ঐখোয়না ভৌগদৌবা হায়ববু থবক্তা য়াম্না হৈশিংবা ইকায় থুমনফমগী মশক ওইরবা অমদি থাজনফম ওইববা ব্রাহ্মণশিং থাজিন্দুনা পাণ্ডব মচিন মনাওশিংগী মনুংদা অমগা অমগা মুংশাইনদবা য়েংথিনবা পোকহল্লগা লোয়রে ॥৪॥ নত্রগা শেল য়ামনা পিজদুনা, মনা মথেৎ খুদোন পোৎ য়ামনা পিশিন্দুনা দ্রুপদ নিংথৌবু অমসুং মাগী মচাশিংবু অদুগা মন্ত্রীশিংবুসু হিরম পুমনমক্তা অপান্বা মীহৌবা পোকহনগনি ॥৫॥ অদুম তৌববদি দ্রুপদ নিংথৌনা যুধিষ্ঠীববু মবাইনা থাদোকচগনি নত্রগা পাঞ্চাল দেশ অসি মক্তদা পাণ্ডবশিংনা পূনশি চুপ্পা লৈনিংনবগী ৱাখল পোকহনগনি ॥৬॥ মখোয়বু তোংঙান তোংঙান্না পাণ্ডবশিংগী মফমদা হায়হনগদৌবা হায়ববু "নখোযনা লৈবাক অসিদা লৈবসে দোষ য়াম্না লৈ, অদুনা নখোয়দা পাঞ্চাল দেশদা অদুমক লৈযু" অসুম হায়না হাযহন্দুনা পাণ্ডবশিংবু পুনশি চুপ্পা লৈনিংহনগনি ॥৭॥ নত্রগা ৱাঙাং ৱাতা হৈরবা নীতি শাস্ত্র হৈববা মী থর থাজিন্দুনা পাণ্ডবশিং মচিন মনাও অমগা অমগা মুংশিনরিবা অসিদগী কায়নহনগনি ॥৮॥ নত্রগা দ্রৌপদীনা মখোয়দা শাওহনবা অসিনি। মরমদি মপুরোইব যাম্বী অসুম হায়দুনা দ্রৌপদীবু শাওহনবদি য়ামনা লাংইবা পোৎনি। নত্রগা পাণ্ডবশিংবু দ্রৌপদীগী মফমদা শাওহনবা অসিনি, অদুদগীদি দ্রৌপদীবু ঐখোয়না লৌথোক্লগা লোয়রে ॥৯॥ নত্রগা নীতি হৈরবা মীশিংনা মনুংদা তুমিন তুমিন্না ভীম শিন্নবা হোৎনহনবা অসিনি। মরমদি ভীমতনা মখোয়গী মনুংদা থৱাইদগী মপাঙ্গল কনবা লিপানি ॥১০॥ মরম অদুনা যুধিষ্ঠীরনা ভীমনা পাম্বে ওইদুনা মমাংদৌদা ঐখোয়বু উশিৎখিদবনি। করিনা হায়ববু ভীম হায়বসি মরিংজেন থারবা, মপাঙ্গল কল্লবা অমসুং মখোয় পুমনমক্কী মখোইবা মীশক অমনি ॥১১॥ মহারাজ। ভীমনবু শিথ্রবদি অতোপ অতোপ্পা মচিন মনাওসু নীংবা কায়দুনা মহি মরাই চমদনা মরৈবাক ফংননবা হোৎনবদু মরাইনা থাদোকচগনি। করিনা হায়ববু ভীমতনা মখোয়গী চংমফমনি ॥১২॥ ভীমনা তুংদা ভাকলো ওইদুনা লৈবনা লানফমদা অর্জ্জুননা অতোপ্পা অমনা ভুমফল্লবা ওইনা

তে জানানাস্তু দৌর্ব্বল্যং ভীমসেনমৃতে মহৎ। অস্মান্ বলবতো জ্ঞাত্বা ন যতিষ্যন্তি দুর্ব্বলাঃ ॥১৪॥
ইহাগতেষু বা তেষু নিদেশবর্ত্তিষু। প্রবর্ত্তিষ্যামহে রাজন্! যথাশাস্ত্রং নিবর্হণে ॥১৫॥
অথবা দর্শনীয়াভিঃ প্রমদাভির্বিলোভ্যতাম্। একৈকস্তত্র কৌন্তেয়স্ততঃ কৃষ্ণা বিরজ্যতাম্ ॥১৬॥
প্রেষ্যতাঞ্চৈব রাধেয়স্তেষামাগমনায় বৈ। তৈস্তৈঃ প্রকারৈঃ সন্নীয় পাত্যন্তামাপ্তকারিভিঃ ॥১৭॥
এতেষামপ্যুপায়ানাং যস্তে নির্দ্দোষ আত্মনঃ। তস্য প্রয়োগমাতিষ্ঠ পুরা কালোঽতিবর্ত্ততে ॥১৮॥
যাবচ্চাকৃতবিশ্বাসা দ্রুপদে পার্থিবর্ষভে। তাবদেব হি তে শক্যা ন শক্যাস্তু ততঃ পরম্ ॥১৯॥
এষা মম মতিস্তাত! নিগ্রহায় প্রবর্ত্ততে। সাধ্বী বা যদি বাঽসাধ্বী কিং বা রাধেয়! মন্যসে ॥২০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
বিদুরাগমনরাজ্য দুর্য্যোধনবাক্যে চতুর্নবত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—.(০).—

লৈরিবনি, অদুগা ভীমনবু মরৈত্রবদি তঅর্জুনদি লানদা কর্ণগী শকক মরি থোকপগী শকক অমা ফাওবা মান্নবা পোৎ নত্তে ॥১৩॥ পাণ্ডবশিংনা ভীমবু যাওব্রবদি মশা মশাগী মপাঙ্গল শোনবা অদুবু খংজদুনা অদুগা ঐথোয়না মথোয়দগী হেন্না কল্লিবসি খংজদুনা লানগী দমক করিমত্তা তৌরকলোইদবনি ॥১৪॥ নত্রগা পাণ্ডবশিংনা ঐথোযগী অসিদা লাকলগা ঐথোয়গী যাথং পুদুনা লৈরবদি ঐথোয়না নীতি শাস্ত্রগী মতুংইন্না মথোয়বু ফাজিনবগী মবমদা তুমিন তুমিন্না হেক্না হোৎনগনি ॥১৫॥

নত্রগা ফজ ফজরবী রমনী মযাম থাজিন্দুনা মাথোয়বু অমমদা ওইনা মিহোৎনরা অদুগা উপায় অদুমক্তনা দ্রৌপদীগা কায়নহনবা ॥১৬॥ নত্রগা মাথোয়বু কৌকনবা কর্ণবু থাবিয়ু; অদুগী তুংদা মাথোয়বু মর্ক্ম অসিদা পুবকলগা মাথোয় থাজবা যাবা মিশক থাজিন্দুনা অঙম অঙম্বা উপায়না মাথোযবু মাংনবা তৌবা ॥১৭॥ হৌজিক হায়খিব্রা উপায়শিং অসিগী মনুংদা মাসিনা মথরে হায়বাদু থনবিদুনা উপায় অদুগী মতুংইন্না থবক পাবথৎপিয়ু, অসোমদা মতম অসি অরেম্বদা হৌহনা তোকখি গদৌরি ॥১৮॥ দ্রুপদ নিংথৌগী মফমদা পাণ্ডবশিংনা মপুং ফানা থাজত্রি ফাওবা পাণ্ডবশিংবু নমহৎপা য়াগনি। অদু নৎত্তনদি অতৈ অমা লৈত্রে ॥১৯॥ মরম অদুনা পাবুং মহারাজ! ঐগী মতদা পাণ্ডবশিংবু লার্কাশিন্নবগী উপায়দি অসি মতাইরে। কর্ণ! নহাকপু হায়য়ু তাশি, হায়রিবা উপায়শিং অসিদা করম্বনা ফবা, করম্বনা ফত্তব, নংনা করি খল্লি? ॥২০॥

মতাং অসিদ। শ্রীমহাভারতত্তা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা "বিদুরাগমন রাজ্যলাভ"দা দুর্য্যোধন ব্যাকগী চামগা মরিকুত্তরা মরি শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(※):——

শ্রীমহাভারতম্

(ধৃতরাষ্ট্রগী ৱা তাম্নবা)

(চামা মরিফুতরামগা শুবা অধ্যায়)

——:(†):——

কর্ণ উবাচ।

দুর্য্যোধন! তব প্রজ্ঞা ন সম্যগিতি মে মতিঃ। ন হ্যুপায়েন তে শক্যাঃ পাণ্ডবাঃ কুরুনন্দন! ।১।।
পূর্ব্বমেব হি তে সূক্ষ্মৈরুপায়ৈর্যতিতাস্তয়া। নিগ্রহীতুং তদা বীর! ন চৈব শকিতাস্তথা ।।২।।
ইহৈব বর্ত্তমানাস্তে সমীপে তব পার্থিব!। অজাতপক্ষাঃ শিশবঃ শকিতা নৈব বাধিতুম্।।৩।।
জাতপক্ষা বিদেশস্থা বিবৃদ্ধাঃ সর্ব্বশোঽন্ত তে। নোপায়সাধ্যাঃ কৌন্তেয়া মমৈষা মতিরচ্যুত! ।।৪।।
ন চ তে ব্যসনৈর্যোক্তুং শক্যা দিষ্টকৃতেন চ। শকিতাশ্চেপ্সবশ্চৈব পিতৃপৈতামহং পদম্ ।। ৫ ।।
পরস্পরেণ ভেদশ্চ নাধাতুং তেষু শক্যতে। একস্যাং যে রতাঃ পত্ন্যাং ন ভিদ্যন্তে পরস্পরম্ ।।৬।।
ন চাপি কৃষ্ণা শক্যেত তেভ্যো ভেদয়িতুং পরৈঃ। পরিদ্যূনান্ বৃতবতী কিমুতাদ্য মৃজাবতঃ ।।৭।।

কর্ণনা হায়রকই—দুর্য্যোধন! নংনা হায়রিবা পুম্নমক অসে ঐগী মতদা অচুম্বনি হায়না থনবা ঙমদে। মরমদি পাণ্ডবশিংবু নমথাক লৌনমগী নীতিনা ঙম্বদি য়ারোই ।।১।। অকনবা! নংনা মমাংঙৈদা লোম্না থুপনা উপায় কয়ানা মখোয়বু মাংননবা হোৎনখিবা, অদুবু হৌজিক ফাউবা মখোয়দা করিমতা তৌকবা ঙমদে ।।২।। নিংথৌ! মতম অহদা মখোয়না হস্তিনাপুরদা নখোয়গী ননাক্তা লৈরিঙৈদা মখোয়গী সহায়স লৈরমদে, মখোয়দি অঙাংমতুং ওইরম্মি, মতম অদুমক্তদসু নংনা মখোয়গী মাংননবা করিমতা তৌবা ঙমখিদে ।।৩।। অদুগা হৌজিক্তি মখোয়গীদি সহায় উপায় ঙাক্তা ঙাইখ্রে, অমগা মীরৈবাক্তসু লৈরি, অদুগী মথক্তা হিরম পুমনমক্তা চাউখৎপা ফংখ্রে; অবস্থা অসিদা নমথাক লৌনমগী নীতিনা মখোয়বু নম্বাংপা হায়বসি ওইথোক্রবনি, মাসি ঐগী মতনি ।।৪।। অসিদসু নত্তনা লাইন পীরকপা মপাঙ্গন অমদি বুদ্ধিগী পাঙ্গন্দা মখোয়না ঐখোয়দগী কনবা হেল্লি; অবস্থা অসিদা কবিগুম্বা মওংদা মখোয়বু, অদুগা মপা মপুগী ফংফম খোকপা শক্তক অসি ফংগে হায়না য়ামনা কন্না থল্লিবা অমনি ।।৫।। মখোয় মচিনমনাওশিংগী মন্নুংদা অমগা অমা থৎনহনবা সুংঙায়নহনদবা হায়বসিসু ঙম্বা পোৎ নত্তে। মরমদি, মখোয় পুমনমক স্নপী অমত্তগী মপুরোইবা ওইমিন্নহনা লৈরিবনি, মসিগী অর্থবু মখোয়দি মীশক অমত্তনি মপাদবু তোংঙান তোংঙানবনি, অদুমদি মখোয় অমগা অমগা করম হায়না কায়নহনগদৌরিবনো? ।।৬।। অতোপ্পা মী থাজিন্দুনা পাণ্ডবশিংদগী দ্রৌপদীবু সুংশিনহনদনা কায়নহনবগে থক য়ারোই। করিনা হায়বদু দ্রৌপদীনা পাণ্ডবশিংবু মপুরোইবনি হায়না থনখ্রিবদু মখোয়মা য়ামনা নংমা চানিংঙায় থকনিঙায়

ঈপ্সিতশ্চ গুণঃ স্ত্রীণামেকস্যা বহুভর্ত্তৃতা । তঞ্চ প্রাপ্তবতী কৃষ্ণা ন সা ভেদয়িতুং ক্ষমা ॥ ৮ ॥
বহুরস্তশ্চ পাঞ্চাল্যো ন স রাজা ধনপ্রিয়ঃ । ন সন্ত্যক্ষ্যতি কৌন্তেয়ান্ রাজ্যদানৈরপি ধ্রুবম্ ॥৯॥
তথাস্য পুত্রো গুণবান্ অনুরক্তশ্চ পাণ্ডবান্ । তস্মান্নোপায়সাধ্যাংস্তানহং মন্যে কথঞ্চন ॥ ১০ ॥
ইদং ত্বত্র ক্ষমং কর্ত্তুমস্মাকং পুরুষর্ষভ ! । যাবন্ন কৃতমূলাস্তে পাণ্ডবেয়া বিশাংপতে ! ।
তাবৎ প্রহরণীয়াস্তে তত্তুভ্যং তাত ! রোচতাম্ ॥ ১১ ॥
অস্মৎপক্ষো মহান্ যাবদ্যাবৎ পাঞ্চালকো লঘুঃ । তাবৎ প্রহরণং তেষাং ক্রিয়তাং মা বিচারয় ॥১২॥
বাহনানি প্রভূতানি মিত্রাণি বহুলানি চ । যাবন্ন তেষাং গান্ধারে ! তাবদ্বিক্রম পার্থিব ! ॥১৩॥
যাবচ্চ রাজা পাঞ্চাল্যো নোদ্যমে কুরুতে মনঃ । সহ পুত্রৈর্মহাবীর্য্যৈস্তাবদ্বিক্রম পার্থিব ! ॥১৪॥
যাবন্নায়াতি বার্ষ্ণেয়ঃ কর্ষন্ যাদববাহিনীম্ । রাজ্যার্থে পাণ্ডবেয়ানাং পাঞ্চাল্যসদনং প্রতি ॥১৫॥
বসূনি বিবিধা ভোগা রাজ্যমেব চ কেবলম্ । নাত্যাজ্যমস্তি কৃষ্ণস্য পাণ্ডবার্থে কথঞ্চন ॥১৬॥
বিক্রমেণ মহী প্রাপ্তা ভরতেন মহাত্মনা । বিক্রমেণ চ লোকাংস্ত্রীন্ জিতবান্ পাকশাসনঃ ॥১৭॥
বিক্রমঞ্চ প্রশংসন্তি ক্ষত্রিয়স্য বিশাংপতে ! । স্বকো হি ধর্ম্মঃ শূরাণাং বিক্রমঃ পার্থিবর্ষভ ! ॥১৮॥

লৈত্রিবৈদেনি, অদুনদি অসুক চাউখৎলবা মতমদা দ্রৌপদীনা মখোয়বু করম হায়না কায়নিংগদৌরিবনো ? ॥৭॥ নুপী অমগী মপুরোইবা মযাম লৈবা হায়বসি পামজরিবমক্কি, অদুসু দ্রৌপদীনা ফংজবে, অসিগুম্বা অবস্থাদা দ্রৌপদীবু মখোয়না পূক্লিং চংহন্দবা হায়বসি ওইথোক্কবনি ॥৮॥ অমবোমদসু দ্রুপদ নিংথৌগী মবন হায়বা ওকপা মথৈলৈরি, মাবু লনথুম উৎতুনা মীহৌহনবা হায়বসি ওইবা যারোই। লম্বুমগী বাদি লাপ্পবু হন্দোকখ্রো লৈবাক ফাউবা পিরবসু মানা পাণ্ডবশিংবু থাদোকউ হায়বসিদি মযাথররোই ॥৯॥ অদুগা অমুকসু মগুণ চেন্নবা দ্রুপদগী মচাশিং অসে পাণ্ডবশিংবু ঐনা থনবদি করিগুম্বা মওংগী নমথাক লৌনমগী নীতিনা পাণ্ডবশিংবু লাকশিনবদদি মযাররোই ॥১০॥ অদুনা নিপা অথোইবা ! হৌজিককী মতম অসিদা ঐখোয়না তৌগদৌবা হায়বদু মখোয়না চপচানা মমাচেৎনা লৈত্রিবগে মতম অসিদা মখোয়গী মথক্তা লান্দাবা অসিদনি। বিষয় অসিদা নংগা ঐগা মত অমতা ওইসি ॥১১॥ ঐখোয়গী কাংলুপনা কল্লিবগে অদুগা দ্রুপদ নিংথৌনা শোল্লিবগে মতম অসিদা পাণ্ডবশিংগী মফমদা লান্দাও, অদুগা তৌবদদি মাসি তৌগে হায়রবদি মতম মাংহল্লগনু ॥১২॥ নিংথৌ ! পাণ্ডবশিংগী লানগী খুৎলাই শাদোংনচিংবা মতিক চানা লৈত্রিবগে অদুগা মরূপ মপাং খোংম্মি লাম্মি মতিক চানা খোমজিন্দ্রিবগে মরক অসিদা নত্তিক নথৌনা উৎননবা হোৎনহৌ ॥১৩॥ দ্রুপদগী কল্লবা মচাশিংগা তিন্নদুনা পাণ্ডবশিংনা মরৈবাক কয়নবগী কন্না হোৎনদ্রিবগে মতাং অসিদা নত্তিক নথৌনা উৎননবা হোৎনহৌ ॥১৪॥ কৃষ্ণনা পাণ্ডবশিংগী মরৈবাক কয়নবগীদমক যদু শাগেগী লাম্মি মযাম পূরক্তুনা দ্রুপদগী লৈবাক্তা য়োবক্ত্রিবগে মরক অসিদা নত্তিক নথৌনা উৎননবা হোৎনহৌ ॥১৫॥ লম্বুম, সনা লুপা, অতৈ অতৈ ভোগ তৌবা য়াবা পোৎ পুমনমক কৃষ্ণনা পাণ্ডবশিংগীদমক্তা থাদোকপা ঙমগদৌরিবনি ॥১৬॥ অদুগা পুকচেল চাউরবা ভরত হায়না কৌবা নিংথৌ অদুনসু মতিক মগুণ উৎতুনা পৃথিবী পুমনমক ফংখিবনি; অদুগা ইন্দ্রনসু মতিক মগুণ মথৌননা মরোন অহুম অয় তৌখিবনি ॥১৭॥ নিংথৌ ! তত্র থংবা মীশিংনা

তে বলেন বয়ং রাজন্! মহতা চতুরঙ্গিণা। প্রমথ্য দ্রুপদং শীঘ্রমানয়ামেহ পাণ্ডবান্ ॥১৯॥
নহি সাম্না ন দানেন ন ভেদেন চ পাণ্ডবাঃ। শক্যাঃ সাধয়িতুং তস্মাদ্বিক্রমেণৈব তান্ জহি ॥২০॥
তান্ বিক্রমেণ জিত্বেমামখিলাং ভুঙ্ক্ষ্ব মেদিনীম্। অতো নান্যং প্রপশ্যামি কার্য্যোপায়ং জনাধিপ ॥২১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

শ্রুত্বা তু রাধেয়বাচো ধৃতরাষ্ট্রঃ প্রতাপবান্। অভিপূজ্য ততঃ পশ্চাদিদং বচনমব্রবীৎ ॥২২॥
উপপন্নং মহাপ্রাজ্ঞে কৃতাস্ত্রে সূতনন্দনে। ত্বয়ি বিক্রমসম্পন্নমিদং বচনমীদৃশম্ ॥ ২৩ ॥
ভূয় এব তু ভীষ্মশ্চ দ্রোণো বিদুর এব চ। যুবাঞ্চ কুরুতাং বুদ্ধিং ভবেদ্যা নঃ সুখোদয়া ॥২৪॥
তত আনায্য তান্ সর্ব্বান্ মন্ত্রিণঃ সুমহাযশাঃ। ধৃতরাষ্ট্রো মহারাজ! মন্ত্রয়ামাস বৈ তদা ॥২৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
বিদুরাগমনরাজ্যলাভে ধৃতরাষ্ট্রমন্ত্রণে পঞ্চনবত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০।

—(০)—

ক্ষত্রিয় শাগৈগী মতিক মগুণবু থাগত্তুনা নৈনরিবনি অদুগা পোকদপগী লোয়নরকপা ধর্ম্ম অমনি ॥১৮॥ অদুনা নিংথৌ! ঐথোয়না প্যকচাউরবা শগোল, শামু, রথ, খোংনী, হাংরিবা চতুরঙ্গ লাম্মি পুন্থুনা থুনা য়াংনা দ্রুপদ নিংথৌবু জয় তৌরগা পাণ্ডবশিংবু পুদুনা লাক্কদৌবনি ॥১৯॥ সাম, দান, ভেদ হায়রিবা নীতি অহুম অসিগী মনুংদা অমতনসু পাণ্ডবশিংবু থুহ্রম চনবদি য়ারোই, দণ্ড নীতিনা হায়বদি পাঙ্গল থৌনানা মরম ওইদুনা মথোয়বু মাংহনহৌ ॥২০॥ নিংথৌ! নথৌনা নপাঙ্গন্না পাণ্ডব শিংবু জয় তৌরগা পৃথিবী অসি ভোগ তৌ। অসি নত্তবা উপায় অমতা কর্ণ ঐদি হৌজিক কাউবা উত্রি ॥২১॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি—ধৃতরাষ্ট্রনা কর্ণগী ৱা তাবদা মপুক্লিংদা কর্ণবু থাগত্তুনা ৱাসি হায়খি—কর্ণ নংদি থোইনা শীংলবা, থোইনা থৌলায় হৈরবা নিপা অমনি, অহুনা অসিগুম্বা মতিক মগুণ মপাঙ্গন লৈবগী ৱাসি হায়দোকপদা মতিক চায় ॥২২—২৩॥ অহুদা, ভীষ্ম, দ্রোণ অমসুং বিদুর অহুম অসিগা অমুক্কংদদি তান্নরগা থবক তৌ, মাদুতদা মঙ্গল ওইগনি ॥২৪॥ জনমেজয় মহারাজ! অদুগী তুংদা ধৃতরাষ্ট্রনা ভীষ্ম, মন্ত্রীনচিংবা পুম্নমক কৌগনা ৱা তান্নবা হৌখ্রে ॥২৫॥

মত্তাং অসিদা শ্রীমহাভারতত্তা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা বিদুরগমন রাজ্যলাভগী মনুংদা ধৃতরাষ্ট্র মন্ত্রণাগী চামগা মরিফুত্তরামঙ্গা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

———

শ্রীমহাভারতম্।

(ভীষ্মনা মঙ্গনা পীবা)

(চামা মরিফ্‌তরাতরুক শুবা অধ্যায়)

—:(০):—

ভীষ্ম উবাচ।

ন রোচতে বিগ্রহো মে পাণ্ডুপুত্রৈঃ কথঞ্চন। যথৈব ধৃতরাষ্ট্রো মে তথা পাণ্ডুরসংশয়ম্ ॥ ১ ॥
গান্ধার্য্যাশ্চ যথা পুত্রাস্তথা কুন্তীসুতা মম। যথা চ মম তে রক্ষ্যা ধৃতরাষ্ট্র! তথা তব ॥২॥
যথা চ মম রাজ্ঞশ্চ তথা দুর্য্যোধনস্য তে। যথা কুরূণাং সর্ব্বেষামন্যেষামপি পার্থিব! ॥৩॥
এবং গতে বিগ্রহং তৈন রোচে সন্ধায় বীবৈর্দীয়তামর্দ্ধভুমিঃ।
তেষামপীহ প্রপিতামহানাং রাজ্যং পিতুশ্চৈব কুরূত্তমানাম ॥৪॥
দুর্য্যোধন! যথা রাজ্যং ত্বমিদং তাত! পশ্যসি। মম পৈতৃকমিত্যবং তেঽপি পশ্যন্তি পাণ্ডবাঃ ॥৫॥
যদি বাজ্যং ন তে প্রাপ্ত পাণ্ডবেয়া যশস্বিনঃ। কুত এব তবাপীদং ভারতস্যাপি কস্যচিৎ ॥৬॥
অধর্ম্মেণ চ রাজ্যং ত্বং প্রাপ্তবান্ ভরতর্ষভ!। তেঽপি রাজ্যমনুপ্রাপ্তাঃ পূর্বমেবেতি মে মতিঃ ॥৭॥
মধুরণৈব রাজ্যস্য তেযামর্দ্ধং প্রদীয়তাম্। এতদ্ধি পুরুষব্যাঘ্র! হিতং সর্ব্বজনস্য চ ॥৮॥

ভীষ্মনা হায়—পাণ্ডুনী মচাশিংগা লাল তৌব হাযবসি ঐগী মতদদি য়ানীংদে। মরমদি, ঐঙোন্দা ধৃতরাষ্ট্রনা ওইরিবা অসিগুমনা পাণ্ডুনসু ওইবম্বনি, মাসিদা খবচিংনবা লৈতে ॥১॥ ময়ম অদুনা গান্ধারীগী মচাশিংনা ওইরিবা অসিগুম্না কুন্তীগী মচাশিংনসু ঐগী ইফমদা চপ মান্না ওইদুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা, ধৃতবাষ্ট্র! নহাক্না নচাশিংবু ঙাকফম, কনফম থোকপা অদুগুম্না পাণ্ডুগী মচাশিংবুসু ঐনা ঙাকফম কনফম থোকই ॥২॥ অদুগা ঐগা নংগা ঐখোয অনিনা পাণ্ডবশিংবু ঙাকফম থোকপা অদুগুমনা দুর্য্যোধননা অমসুং অতোপ অতোপ্পা কুরুবংশগী মীশিংনা পাণ্ডবশিংবু ঙাকফম য়োকপিফম থোকই ॥৩॥ অসুম তৌরবদা পাণ্ডবশিংগা লান শোক্নবা হাযবসি ঐদি পামদে, অকনবাশিং অদুগা লন্দ্ধি তৌরগা মখোয়দা লৈবাক তংখায় অমা পিথোকখো। করিনা হায়ববু লৈবাক অসে মখোয়গী মবুধোগীনি অদুগা শেংন হায়করবসু মপা পাণ্ডুমক্কীনি ॥৪॥ ইবুংঙো! দুর্য্যোধন! লৈবাক অসিবু নহাক্না মপা মপুগীনি হায়না খল্লিবা অদুগুম্না মখোয়সু মপা মপুগী লৈবাকনি হায়না অদুমক খল্লিবনি ॥৫॥ অদুনা পাণ্ডবশিংনা লৈবাক অসি ফংদ্রবদি নখোয়নদি করমনা লৈবাক অসি ফংফম থোক্কদোরিবনো? অদুগা অতোপ্পা ভরত বংশ কনাগুম্বা অমনসু করম্না ফংগদোরিবনো? ॥৬॥ অদুগা দুর্য্যোধন! অধর্ম্মনা পাম্বে ওইদুনা লৈবাক অসি নখুৎ চল্লে, থাঙ্গেশেংবামক্তি লৈবাক অসি ফংবদি পাণ্ডবশিংনা হাল্লি, ঐগী মতমদি অসি নৈ ॥৭॥ দুর্য্যোধন! খৎন চৈনদনা, নুংশিননা লৈবাক অসিগী তংখায় অমা পাণ্ডবশিংদা পীথোকখো, মাদুদনা লোক শুমনমক্কী কান্নবা ওইগনি ॥৮॥ ঐনা হায়রিবা অসি

অতোঽন্যথা চেৎ ক্রিয়তে ন হিতং নো ভবিষ্যতি। তথাপ্যকীর্ত্তিঃ সকলা ভবিষ্যতি ন সংশয়ঃ ॥৯॥

কীর্ত্তিরক্ষণমাতিষ্ঠ কীর্ত্তির্হি পরমং বলম্। নষ্টকীর্ত্তের্মনুষ্যস্য জীবিতং হ্যফলং স্মৃতম্ ॥১০॥

যাবৎ কীর্ত্তির্মনুষ্যস্য ন প্রণশ্যতি কৌরব!। তাবজ্জীবতি গান্ধারে! নষ্টকীর্ত্তিস্তু নশ্যতি ॥১১॥

তমিমং সমুপাতিষ্ঠ ধর্ম্মং কুরুকুলোচিতম্। অনুরূপং মহাবাহো! পূর্ব্বেষামাত্মনঃ কুরু ॥১২॥

দিষ্ট্যা ধ্রিয়ন্তে পার্থা হি দিষ্ট্যা জীবতি সা পৃথা। দিষ্ট্যা পুরোচনঃ পাপো ন সকামোঽত্যয়ং গতঃ ॥১৩॥

যদা প্রভৃতি দগ্ধাস্তে কুন্তিভোজসুতাসুতাঃ। তদা প্রভৃতি গান্ধারে! ন শক্নোম্যভিবীক্ষিতুম্ ॥১৪॥

লোকে প্রাণভৃতং কঞ্চিচ্ছ্রুত্বা কুন্তীং তথাগতাম্। ন চাপি দোষেণ তথা লোকোঽবৈতি পুরোচনম্।

যথা ত্বাং পুরুষব্যাঘ্র! লোকো দোষেণ গচ্ছতি ॥১৫॥

তদিদং জীবিতং তেষাং তব কিল্বিষনাশনম্। সম্মন্তব্যং মহারাজ! পাণ্ডবানাঞ্চ দর্শনম্ ॥১৬॥

ন চাপি তেষাং বীরাণাং জীবতাং কুরুনন্দন!।

পিত্র্যোংশঃ শক্য আদাতুমপি বজ্রভৃতা স্বয়ম্ ॥১৭॥

তে সর্ব্বেঽবস্থিতা ধর্ম্মে সর্ব্বে চৈবৈকচেতসঃ। অধর্ম্মেণ নিরস্তাশ্চ তুল্যে রাজ্যে বিশেষত ॥১৮

নত্তবা অতোপ্পা অমা তৌরবদি নংগী মঙ্গল থক ওইরোই, মী পুমনমক্কসু নংবু নিন্দা তৌগনি ঐনা হায়রিবসি চিংনক্কম লৈত্তনা চুমজবনি ॥৯। মীংচৎ ভাকউ, মীংচৎ পাম্মু মীংচৎনা মীওইবগী অথোইবা পাঙ্গর্ননি, মীংচৎ লৈতবগী পুনশি অরেম্বনি ॥১০॥ মীংচৎনা মাংত্রিমখৈ তাইবংমী হায়বসি হিংদুনা লৈরিবনি মীংচৎনা হেক মুৎপা মুমিত্তা মহাকসু যাওনা মুৎথ্রবনি ॥১১॥ মরম অদুনা কুরুবংশগী নবুখৌশিংনা তৌরম্বা ধর্ম্ম অদো থক কায়গমু, মমাংঙৈদা অহন লম্মনশিংনা তৌরম্বা থবক পুম্নমক লিকলম কাযদনা তৌদুনা লৈয়ু ॥১২॥ মরাইবক ফবনা পাণ্ডবশিংনা হিংদুনা লৈরিবনি অদুগা মরাইবক ফবনা কুন্তী দেবীনা হৌজিক ফাওবা হিংদুনা লৈরিবনি অদুগা মরাইবক ফবনা পুরোচনগী থবক মহৈ য়ানখিদবনি অদুগা মরাইবক্তা তম্বনা পুরোচননা শিবনি ॥১৩। দুর্য্যোধন! পাণ্ডবশিংনা মুম মৈ চাক্কুনা শিখ্রে হায়বা হেক তাবা অদুদগী হৌজিক ফাউবা লোক সমাজগী মংদা ইমায় অসি উৎপা ঙমদ্রিবনি।১৪।

দুর্য্যোধন! কুন্তী দেবীনা মচাশিংগা লোয়ননা চাশং মৈচাকতুনা শিখরে হায়বসি তারদুনা মহাকপু পমানবা মীনি অমত্তুং অসি থোকহনবদি মহাকনি হায়না থনবা অদুপ কনাগুমবা অমতবু নত্রগা পুরোচন মকপু মুক্তপ য়ামনা থনখিদে ॥১৫॥ অদুনা পাণ্ডবশিংনা হৌজিক হিংদুনা লৈহৌরিবা অদুগা মখোয়বু অমুক উবা থংগৎলোরিবা অসিনা নংগী বদনাম পুমনমক মাংহনগদবোরে হায়না খন্দুনা হৈরাউকম থোকই ॥১৬॥ অসিদি লাইরবা নত্তবা নচিনমনাওশিং অসিনা হিংদুনা লৈরিবসিনা ইন্দ্রমক লাকতুনসু মখোয়গী পপা অপুশিংগী লৈবাক অসি লৌবা ঙম্মরাইদবনি ॥১৭॥ অদুগা মখোয়গা মখোয়না আমরামদা অমাত্রদি হায়বসু অমরোমদদি মখোয়না ধর্ম্ম চেনবা, পুরক্তেন খোইজেলদ্রিবা অমত্তুং

যদি ধর্ম্মস্ত্বয়া কার্য্যো যদি কার্য্যং প্রিয়ঞ্চ মে। ক্ষেমঞ্চ যদি কর্ত্তব্যং তেষামর্দ্ধং প্রদীয়তাম্ ॥১৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বিদুরাগমনরাজ্যলাভে
ভীষ্মবাক্যং নাম ষণ্ণবত্যধিকশততমোঽধ্যায় ।০॥

——০:০:——

অধর্ম্মগী থবক ত্তৌদবদি মখোয়না হেল্লি ॥১৮॥ অদুগা নহাকস্থ মখোয়গুমনা ধর্ম্ম ত্তৌবসি চুন্মি হায়না খল্লবা অহগা ঐনা হায়রিবসি য়াদনা ঐবু হরাউহনগে খল্লবা অদুগা প্রজা পুম্নমককী মঙ্গল ওইবা পামলবা অদু ওইরবদি থুনা লৈবাক অসিগী তংখায় অমা মখোয়দা পীথোকখো ॥১৯॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা বিদুরাগমনরাজ্য লাভদা ভীষ্মব্যক্য কৌবা চামগা মরিফুতরাতকক শুবা অধ্যায লোইরে ।০॥

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম

(দ্রোণগী নম্নবা)

(চামা মরিফুতস্নাতস্রেৎ শুবা অধ্যায়)

——:(০):——

দ্রোণ উবাচ।

মন্ত্রায় সমুপানীতৈর্ধৃতরাষ্ট্র! হিতৈর্নৃপ!। ধর্ম্ম্যমর্থ্যং যশস্যঞ্চ বাচ্যমিত্যনুশুশ্রুম ॥১॥
মমাপ্যেষা মতিস্তাত! যা ভীষ্মস্য মহাত্মনঃ। সংবিভজ্যাস্তু কৌন্তেয়া ধর্ম্ম এষ সনাতনঃ ॥২॥
প্রেষ্যতাং দ্রুপদায়াশু নরঃ কশ্চিৎ প্রিয়ংবদঃ। বহুলং রত্নমাদায় তেষামর্থায় ভারত! ॥৩॥
মিথঃ কৃতাঞ্চ তস্মৈ স আদায় বসু গচ্ছতু। বৃদ্ধিঞ্চ পরমাং ব্রূয়াত্তৎসংযোগাদ্ভবাং তথা ॥৪॥
সম্প্রীয়মাণং ত্বাং ব্রূয়াদ্রাজন্! দুর্য্যোধনং তথা। অসকৃদ্দ্রুপদে চৈব ধৃষ্টদ্যুম্নে চ ভারত! ॥৫॥

দ্রোণনা হায়খি— মহারাজ ধৃতরাষ্ট্র! মন্ত্রনা তৌগে হায়বগী দমক পুম্নকালবা, নংগী কান্নবদা থল্লবা মীশিং অসিনা ধর্ম্মগী ওইবা, যুক্তি প্রমাণ চাবা অদুগা মীংচৎ চাউখৎনবা ওইবা বা ভাক্তল হায়রগনি, মাতু ঐখোয়স্থু তারে ॥১॥ মরম অমনা পূকচেল চাউরবা ভীষ্মগী মত অসে ঐগীসুনি। লৈবাক অসিবু চপাচানা তংখায় য়েন্নবা তংখায় অমনা পাণ্ডবতা পীয়ু, তংখায় অমনা নংলো মাদি মতম কুইনাদগী চৎনরক্লবা ধর্ম্মনি ॥২॥ হৌজিকমক পাণ্ডবশিংগী মমতা মন-থুম য়াম্না পুক্ননুংবা মাতাং মাতা হৈরবা অথুবা মাংবা মিপা অমা দ্রুপদ নিংথৌগী মককদা থাখো ॥৩॥ অদুগা মিপা অদুনা দ্রুপদ নিংথৌগী দমক্তস্থু থুদোম পোৎ থর পুম্ননা চৎহন্নু; মহারাজগা ভাই পোল ওইনা তিন্নবমিনা কুরুবংশগী থোইদোক্লা চাউখৎপা ওইরে হায়বদি হায়হল্লু ॥৪॥ অদুগা ধৃতরাষ্ট্র অমদি

উচিতঞ্চ প্রিয়ঞ্চ যোগত্বাপি চ বর্দ্ধয়েৎ । পুনঃ পুনশ্চ কৌন্তেয়ান্ মাদ্রীপুত্রৌ চ সান্ত্বয়ন্ ।।৬।।
হিরণ্ময়ানি শুভ্রাণি বহূন্যাভরণানি চ । বচনাত্তব রাজেন্দ্র ! দ্রৌপদ্যাঃ সম্প্রযচ্ছতু ।।৭।।
তথা দ্রুপদপুত্রাণাং সর্বেষাং ভরতর্ষভ ! । পাণ্ডবানাঞ্চ সর্বেষাং কুন্ত্যা যুক্তানি যানি চ ।।৮।।
এবং সান্ত্বসমাযুক্তং দ্রুপদং পাণ্ডবৈঃ সহ । উক্ত্বা সোঽনন্তরং ব্রূয়াত্তেষামাগমনং প্রতি ।।৯।।
অনুজ্ঞাতেষু বীরেষু বলং গচ্ছতু শোভনম্ । দুঃশাসনো বিকর্ণশ্চাপ্যানেতুং পাণ্ডবানিহ ।।১০।।
ততস্তে পাণ্ডবাঃ শ্রেষ্ঠাঃ পূজ্যমানাঃ সদা ত্বয়া । প্রকৃতীনামনুমতে পদে স্থাস্যন্তি পৈতৃকে ।।১১।।
এতত্তব মহারাজ ! পুত্রেষু তেষু চৈব হ । বৃত্তমৌপয়িকং মন্যে ভীষ্মেণ সহ ভারত ! ।।১২।।

কর্ণ উবাচ ।

যোজিতাবর্থমানাভ্যাং সর্ব্বকার্য্যেষ্বনন্তরৌ । ন মন্ত্রয়েতাং ত্বচ্ছ্রেয়ঃ কিমদ্ভুততরং ততঃ ।।১৩।।
দুষ্টেন মনসা যো বৈ প্রচ্ছন্নেনান্তরাত্মনা । ব্রূয়ান্নিঃশ্রেয়সং নাম কথং কুর্য্যাৎ সতাং মতম্ ।।
ন মিত্রাণ্যর্থকৃচ্ছ্রেষু শ্রেয়সে বেতরায় বা । বিধিপূর্ব্বং হি সর্ব্বস্য দুঃখং বা যদি বা সুখম্ ।।১৫।।

দুর্য্যোধন অনিমক্না মহারাজগা ঙাই শেল থোক্লবসিদা থোইদোক্না পেঙ্গরে অঙ্গম হায়না দ্রুপদ অমদি ধৃষ্টদ্যুম্না অনিগী মফমদা হাযহল্লু ।।৫।। সবন্ধ অসি থোক্লবদা অমগা অমগা মতিক চপ চান্নবা অমদি সুংঙায়নফম ওইরে হ্না অসিসু হায়হল্লু, অদুগা পাণ্ডবশিংবুসু শাওদনবা নিংথিজবা হ্রাহৈনা থেমজিল হল্লু ।।৬।। অদুগা মহারাজ ! নহাক্না য়াথং মতুং ইন্না চৎকদৌরিবা নিপা অসিনা দ্রৌপদীগী দমক্তা মখল মথা অয়াম্বা হীরা মণি মুক্তানচিংবা অকবা লীককোল লৈতেংনচিংবা পুহনথিত্তুনা দ্রুপদ নিংথৌগী মথুক্তা পীহল্লু ।।৭।। অহগা দ্রুপদ নিংথৌগী, পাণ্ডব পুম্নমক্কী অমসুং কুন্তীগী মফমদা অসি অসি পীবদা মতিক চাই হায়বহ্ন খন্দুনা মাহু পূমনমক অদুসু দ্রুপদগী মথুক্তা শিনহল্লু ।।৮।। অদুগী তুংদা থাবিগদৌরিবা নিপা অসিনা পাণ্ডবশিংগা লোযননা লৈমিন্নরিবা দ্রুপদ নিংথৌগী মফমদা নীংথিজবা অথুম্বা হ্রাহৈনা পাণ্ডবশিংনা মফম অসিদা হল্লক্লবা হ্রাহৈশিং অসি হায়হল্লু ।।৯।। অদুগী তুংদা দ্রুপদ নিংথৌনা হল্লকপগী মরমদা য়ারবা মতমদা অসোমদগী মখোয়বু লৌরুনবা পুং শেল অমদি লাম্মি মপৈ থামনা মখোয়বু ওকউনবা মীয়াম থাও, মাহদা দুঃসাশন অমদি বিকর্ণসু য়াওহল্লু ।।১০।। অদুগী তুংদা পাণ্ডবশিংনা মফম অসিদা লাক্লে হায়রগা প্রাজাশিংগী মত লৌরে হায়রগা মপা মপুগী থনবা রাজ্য অসিদা পালসনু মহারাজসু মতম লৈবা থিবিক্তা মখোয়বু লুনা তৌহনা লৈবিগদৌবনি ।।১১।। মহারাজ ! অসিগুম্বা, অসিগুম্বা ব্যবহার অসিতনা মহারাজগী নচাশিংবু অমদি পাণ্ডবশিংবু মীচং মীথার নাইদনা চপ মান্নবা ঙাকপিবা হায়বা অদু ওইবিগদৌবনি। মাসি তীষ্ম অমদি ঐগী মতনি ।।১২।।

কর্ণনা হায়খি—মহারাজ ! মতম কুইনা মহারাজ নপাম্না লন থুম অমদি ইকায় খুমনবা কংজদুনা, মহংগী অকুম্না থবক ফাউবা য়াওহন্দুনা লৈরক্লবা মখোয়শিং অসিনা মহারাজগী মঙ্গল ওইনবা হ্না অমত্তা ঙাংক্রিবা, অসিদগী হেনবা অঙকপা অমা করি লৈবগে ? ।।১৩।। অদুগুম্বা মীশিং অদুনা মপাল-থোংদদি মপুকচেল ফজবা উত্তুনা মপুংদদি নত্তবা হ্রাথম্না মপুকচেল অমদি থমোইবু মাংথোকচন্নবা মীশিং অদুনা থাজৈশেংবা মহারাজগী কানবদা খনবা মী ওইহনা কদায়দগী অফবা হ্রাথন অমা পুথোরক্কদগে ? ।।১৪।। খুদোংথিবগী মতম ওইরক্লবদা মরূপ ঙাক্তনসু মঙ্গল অমদি অমঙ্গল ওইবগী

কৃতপ্রজ্ঞোঽকৃতপ্রজ্ঞো বালো বৃদ্ধশ্চ মানবঃ। সসহায়োঽসহায়শ্চ সর্ব্বং সর্ব্বত্র বিন্দতি ॥১৬॥
শ্রূয়তে হি পুরা কশ্চিদম্বুবীচ ইতীশ্বরঃ। আসীদ্রাজগৃহে রাজা মাগধানাং মহীক্ষিতাম্ ॥১৭॥
স হীনঃ করণৈঃ সর্বৈরুচ্ছ্বাসপরমো নৃপঃ। অমাত্যসংস্থঃ সর্বেষু কার্য্যেষেবাভবত্তদা ॥১৮॥
তস্যামাত্যো মহাকর্ণির্বভূবৈকেশ্বরস্তদা। স লব্ধবলমাত্মানং মন্যমানোঽবমন্যত ॥১৯॥
স রাজ্ঞ উপভোগ্যানি স্ত্রিয়ো রত্নধনানি চ। আদদে সর্ব্বশো মূঢ় ঐশ্বর্য্যঞ্চ স্বয়ং তদা ॥২০॥
তদাদায় চ লুব্ধস্য লোভাল্লোভোঽভ্যবর্দ্ধত। তথা হি সর্বমাদায় রাজ্যমস্য জিহীর্ষতি ॥২১॥
হীনস্য করণৈঃ সর্বৈরুচ্ছ্বাসপরমস্য চ। যতমানোঽপি তদ্রাজ্যং ন শশাকেতি নঃ শ্রুতম্ ॥২২॥
কিমন্যদ্বিহিতা নূনং তস্য সা পুরুষেন্দ্রতা। যদি তে বিহিতং রাজ্যং ভবিষ্যতি বিশাংপতে ॥২৩॥
মিষতঃ সর্ব্বলোকস্য স্থাস্যতে ত্বয়ি তদ্ ধ্রুবম্। অতোঽন্যথা চেদ্বিহিতং যতমানো ন লপ্স্যসে ॥২৪॥
এবং বিদ্বন্নুপাদৎস্ব মন্ত্রিণাং সাধ্বসাধুতাম্। দুষ্টানাঞ্চৈব বোদ্ধব্যমদুষ্টানাঞ্চ ভাষিতম্ ॥২৫

মরম ওইবা নত্তে, মতম অয়াম্বদা লাইবক্না অমদি লাইনা তম্বা হায়বা অসিনা মীওইবনা অম্বাবা লুংঙায়বা ফংলিবনি ॥১৫॥ অশিংবা, অপংবা, নহা, অহল, চংজফম লৈবা লৈতবা হায়বা করিসু লৈত্তে, মরাইবক্কবু ফংঙ, হাযববদি মফম মতম পুমনমক্তা পোৎ পুমনমক ফংবা ইয়া ময়াই ॥১৬॥ ঐখোযনা অসুম তাবা ৱারী অমা লৈ—মমাংদৈদা রাজগৃহ কৌবা নগর অদুদা মগধ নিংথৌশিংগী বংশদা মশামক্কী মপাঙ্গন কনবা অম্বুবীচ হাযনা কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মি ॥১৭॥ মহাক অসি মিৎ নাকোনচিংবা ইন্দ্রিয় পুমনমক অসি ইলৈ লৈতবাগুম্না তৌই, অদুনা লুংশা স্বর হজ্জৎ হন্দা হোনবা অসিতা মঙম্মি, অদুনা নিংথৌগী থবক পুমনমক মন্ত্রীগী মথুক্তা লোইনা শিন্নে ॥১৮॥ মহাকর্ণি কৌবা মন্ত্রী অমা লৈবম্মি, মন্ত্রীসিমক্তনা লৈবাক অদুগী মপু হাযবদুমক মওইখ্রে; মরম অদুনা থুকল পাঙ্গনবা হাযবদু ঐহাক্কি অসুম হাযনা মশা মতোমদা খঞ্জদুনা মতমলৈবা খিবিক্লা নিংথৌ অদুবু উশিৎ থওইরক্ত্রে ॥১৯॥

পাপ চেল্লবা মন্ত্রী অদুনা নিংথৌ অদুগী হেক লৈরিবা লুপী নহা, লন-থুম মণি মুক্তা, লাম্মি শাদোংনচিংবা পুমনমক অসুম সুম খোপচিনবা হৌরক্লে ॥২০॥ পুমনমক অসি মহাক্কী ওইহনবা ভমশিল্লক্লবা অসিদা লোভী ওইরবা মন্ত্রী অসিগী অপাম্বা মীহোবসি নোংম নোংমগী অসুম অসুম হেজ্জৎলক্লে; মবম অদুনা পুমনমকসি লৌরবা তুংদসু লৈবাক অদু ফাউবা লৌশিন্দুনা নিংথৌ ওইগদৌবা আশা তৌরক্লে ॥২১॥ অদুবু, ইন্দ্রিয়সু ইযাও যাওদবগুম লৈজরবা, মথম্রাইদা পুদুনা হিংদুনা লৈজরবা নিংথৌ অদুগী লৈবাক অদু লৌশিনগে হায়না ফনা য়ামনা হোৎনরবসু মরাইবক্তা তমখিদবনা নিংথৌ ওইবদদি মফংখিদ্রে, অসুম হায়না ঐখোয়না তাই ॥২২॥ অমুক করি হায়কনি অম্বুবীচনা মপাঙ্গন অমদি ইন্দ্রিয়গী শক্তি লৈত্রবসু মরাইবক্তা নিংথৌ ওইয়ু মতমথুবনি। মরম অদুনা মহারাজ! মহারাজগী নিংথৌ ওইদুনা লৈবা হায়বসিনা লাইনা তমদুনা মরৈখ্রবদি ইকায় কায়দনা অদুমক মওইগনি ॥২৩॥ মী পুম্নমক্কী মমাংদা ইশোয় শোযদনা নিংথৌ ওইদুনা মরৈগনি। বিধাতানবু অমরোমদা মশিল্লমলবদি মহারাজনা ফনায়াম্না হোৎনরবসু নিংথৌ ওইবা-থক য়ারোইদবনি ॥২৪॥ মহারাজ! মহারাজদি য়াম্না

দ্রোণ উবাচ।

বিদুর স্তে ভাবমাবেণ যদর্থমিদমুচ্যতে। দুষ্ট! পাণ্ডবহেতোস্তং দোষমাখ্যাপয়স্যত ॥২৮॥
হিতন্ত পরমং কর্ণ! ব্রবীমি কুলবর্দ্ধনম্। অথ ত্বং মন্যসে দুষ্টং ব্রূহি যৎ পরমং হিতম্ ॥২৭॥
অতোহন্যথা চেৎ ক্রিয়ত যদ্ব্রবীমি পরং হিতম্। কুরবো বৈ বিনঙ্ক্ষ্যন্তি নচিরেণৈব মে মতিঃ ॥২৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
বিদুরাগমনরাজ্যলাভে দ্রোণবাক্যং নাম সপ্তনবত্যধিকতমোহধ্যায়ঃ॥০॥

——):০:(——

শিংবনি, অতুনা অসিগুম্বা মন্ত্রনানা মন্ত্রীশিংগী মপুকচেল শেংবা শেংদবা হান্না থংদোকপিহৌ। মসিনা পুকচেল ফবগী খ্বাভাংনি মাসিনা পুকচেল ফত্তবগী খ্বাভাংনি হায়বহ্ খ্বাখল বিচার তৌবিগদবনি ॥২৫॥ দ্রোণনা হায়খি— কর্ণ! পোকপদগী লোইনরকপা নপুক চেন্না কনাগী মফমদা পানশিন্দুনা অসুম্বা ঙাংলিবনো হায়বহ্ ঐ মুম্না থংভি। পুকচেল ফত্রবা! নংনা পাণ্ডবশিংগী দমক্তা ঐখোয়গী দোষবু নংনা থিগৎ থিগত্তুনা ভাংব শারি ॥২৬॥ কর্ণ! কুক শাগৈগী অমদি থব্বাইগী চাউখৎনবগী দমক্তা ঐনা ঙাসি হায়রিবনি, মাসিবু নংনা অরানবনি দোষ লৈবনি হায়না খল্লবদি দোষ লৈত্রবা পুকচেল শেংলবা মহাক্কী মতম্ হায়য়ু তাসি ॥২৮॥ অতগা ঐনা থনবদি, ঐনা অমদি ভীষ্মনা হায়রিবা খ্বা অসিদা নিংথৌ অসিনা য়ানিংদতুনা মানা থোকপা অমা তৌরক্রবদি মতম থরগী মমুংদা কুক শাগৈমা তুম্না মাংবা হায়বা অসিদি শোয়দ্রবনিকো ॥২৮॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বাদা বিদুরাগমন রাজ্যলাভদা দ্রোণবাক্য কৌবা চামাগা মরিফুতরা তরেৎ শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(পাণ্ডবশিংবু কৌশিন্নবগী মরমদা বিদুরনা ভাংবা)

(চামা মরিফুত্তরা নিপাল শুবা অধ্যায়)

—:(†):—

বিদুর উবাচ।

রাজন্! নিঃসংশয়ং শ্রেয়ো বাচ্যস্ত্বমসি বান্ধবৈঃ। ন ত্বশুশ্রূষমাণে বৈ বাক্যং সম্প্রতিতিষ্ঠতি ॥১॥

প্রিয়ং হিতঞ্চ যদ্বাক্যমুক্তবান্ কুরুসত্তমঃ। ভীষ্মঃ শান্তনবো রাজন্। প্রতিগৃহ্লাসি তন্নচঃ? ॥২॥

তথা দ্রোণেন বহুধা ভাষিতং হিতমুত্তমম্। তচ্চ রাধাসুতঃ কর্ণো মন্যতে ন হিতং তব ॥৩॥

চিন্তয়ংশ্চ ন পশ্যামি রাজন্! তব সুহৃত্তমম্। আভ্যাং পুরুষসিংহাভ্যাং যো বা স্যাৎ প্রজ্ঞয়াধিকঃ ॥৪॥

ইমৌ হি বৃদ্ধৌ বয়সা প্রজ্ঞয়া চ শ্রুতেন চ। সমৌ চ ত্বয়ি রাজেন্দ্র! তথা পাণ্ডুসুতেষু চ ॥৫॥

ধর্মে চানবরৌ রাজন্! সত্যতায়াঞ্চ ভারত! রামাদ্দাশরথেশ্চৈব গয়াচ্চৈব ন সংশয়ঃ ॥৬॥

ন চোক্তবন্তাব শ্রেয়ঃ পুবস্তাদপি কিঞ্চন। ন চাপ্যপকৃতং কিঞ্চিদনয়োর্লক্ষ্যতে ত্বয়ি ॥৭॥

তাবুভৌ পুরুষব্যাঘ্রাবনাগসি নৃপ! ত্বয়ি। ন মন্ত্রয়েতাং ত্বচ্ছ্রেয়ঃ কথং সত্যপরাক্রমৌ ॥৮॥

বিদুরনা হায়— মহারাজ! মহাবাজগী নফমদা মরূপ মপাং শাগে নাত্তেনা শোয়দনা মহারাজগী কান্নবা য়া অদুতা হায়কম থোকই, অদুগা মহারাজনসু য়াশিং অদুবু শোয়দনা তানীংকম থোকই, মত্রবদি তাকবা য়াশিং অদুগী মহে কবিসু লৈতে ॥১॥ মরম অদুনা কুরু বংশগী অথোইবা শান্তনুগী মচা ইবুধৌ ভীষ্মনা মহারাজগী দমক্ত কাননবা অমসুং নুংশিরবা নীংথিবা হায়খি্রবা য়াশিং মহারাজনা লৌখিন্নবরা? ॥২॥ দ্রোণাচার্য্যনসু কান্নবা য়া কয়া অমুক তাকপিখে.। অদুগা রাধাগী মচা নিপা কর্ণনদি হায়বিখি্রবা য়াশিং অসি মহারাজগী কান্নবমক্তনি হায়বসি থনবিত্রি ॥৩॥ অদুগা ঐনা কনা রাজা মুন্ন থম্বদুনা য়েংলবস্ন ভীষ্ম দ্রোণ হায়রিবা নিপা অথোইবা অনি অসিদগী হেনবা মহারাজগী অথোইবা মরূপ অমসুং অশিংব মী অমতা উবা ফংত্রি ॥৪॥

অদুগা হায়রিবা অনী অসিদি চহীদ, লৌশিংদা, শাস্ত্রজ্ঞানদা থম্বাইদগী অহল্লি। অদুগা মহা-রাজগী অমসুং পাণ্ডবশিংগী মফমদসু চপমান্নবা মরী লৈনরিবনি ॥৫॥ অসিগী মথক্তা, মথোয় অনী অসিদি ধর্ম্মদা অমদি অচুম্বা ঙাংবদা দশরথগী মচা রাম অমসুং গয়াম্বরদগীসু থোইদোক্ন হম্বকসু নত্তে ॥৬॥ অদুগা; অনী অসিনা মমাংদৌদা করিগুম্ব মহারাজগী কান্নদব, ফত্তোইদবা য়া অমত্তসু ঙাংবি-শিন্নি, অদুগা মহারাজগী মাংননবা কত্তবা থবক অমত্তসু তৌব উখিত্রি ॥৭॥ মহারাজ! দুপাণ্ডগী অথোইব, অদুগা থাজৈশেংনা মপাকল মথোম লৈরবা অনী অসিনা দোষ লৈত্রবা মহারাজগী নফমদ

প্রজাবন্তৌ নরশ্রেষ্ঠাবস্মিন্ লোকে নরাধিপ!। ত্বয়িবিত্তমতো নেমৌ কিঞ্চিজ্জিহ্মং বদিষ্যতঃ ॥ ৯ ॥
ইতি মে নৈষ্ঠিকী বুদ্ধির্বর্ত্ততে কুরুনন্দন!। ন চার্থহেতোর্ধর্ম্মজ্ঞৌ বক্ষ্যতঃ পক্ষসংশ্রিতম্।
এতদ্ধি পরমং শ্রেয়ো মন্যেঽহং তব ভারত! ॥১০॥
দুর্য্যোধনপ্রভৃতয়ঃ পুত্রা রাজন্! যথা তব। তথৈব পাণ্ডবেয়াস্তে পুত্রা রাজন্! ন সংশয়ঃ ॥ ১১॥
তেষু চেদহিতং কিঞ্চিন্মন্ত্রয়েয়ুরতদ্বিদঃ। মন্ত্রিণস্তে ন চ শ্রেয়ঃ প্রপশ্যন্তি বিশেষতঃ ॥ ১২॥
অথ তে হৃদয়ে রাজন্! বিশেষঃ স্বেষু বর্ত্ততে। অন্তরস্থং বিবৃণ্বানাঃ শ্রেয়ঃ কুর্য্যুর্ন তে ধ্রুবম্ ॥১৩॥
এতদর্থমিমৌ রাজন্! মহাত্মানো মহাদ্যুতী। নোচতুর্বিকৃতং কিঞ্চিন্ন হ্যেষ তব নিশ্চয়ঃ ॥১৪॥
যচ্চাপ্যশক্যতাং তেষামাহতুঃ পুরুষর্ষভৌ। তত্তথা পুরুষব্যাঘ্র! তব তদ্ভদ্রমস্তু তে ॥১৫॥
কথং হি পাণ্ডবঃ শ্রীমান্ সব্যসাচী ধনঞ্জয়ঃ। শক্যো বিজেতুং সংগ্রামে রাজন্! মঘবতাপি হি ॥১৬॥
ভীমসেনো মহাবাহুর্নাগাযুতবলো মহান্। কথং স্ম যুধি শক্যেত বিজেতুমমরৈরপি ॥১৭॥
তথৈব কৃতিনৌ যুদ্ধে যমৌ যমসুতাবিব। কথং বিজেতুং শক্যৌ তৌ রণে জীবিতুমিচ্ছতা ॥১৮॥

করিগী দমক কান্নবা য়াবু হায়রোইদৌরিবনো? ॥ ৮ ॥ মথোয় অনী অসে জগত্তা শিংলবা অমদি নিপা ময়ক্তগী অথোইব ওইদুনা লৈরবনি, অদুনা অনী অসিনা মহারাজগী নফমদা করিগুম্বদা লৌনম তৌবগী অমদি পুকচেল শেংদবগী য়া অমত্তম্থ হায়রোই ॥৯॥ ঐনা মাসিমস্থু থাংগৈশেংনা খংজি মাদুদি, ধর্ম্ম খংব ওইবন নাকল অমতগী কান্নবা য়া, অমত্তা করিগুম্বা মতমদা হায়রোই। মরম অদুনা অনী অসিনা তাকপিখিবা পুম্নমক অসে মহারাজগী দমক্তা থোইদোক্ল কান্নবা অমম্ভং মঙ্গল ওইগদবা মক্তনি ॥১০॥ অসিগী মথক্ত, দুর্য্যোধননচিংবনা মহারাজগী নচা ওইরিবসিগুম্বা পাণ্ডবশিংনস্থ মহারাজগী নফমদা চপ মান্নবা নচাশিংমক্ত ওইদুনা লৈরিবনি ॥১১॥ মাসিবু খংদদুনা মহারাজগী মন্ত্রনা পীরিবা মন্ত্রীশিং অসিনা করিগুম্বা পাণ্ডবশিংগী কান্নদবা ফত্তবা হায়ব লৈরবদি মথোয অদু মহারাজগী থোইদোক্ল কান্নবা অফবা অমত্তা থন্দ্রবনি, উদ্রবনি ॥১২॥ অসিগী মথক্তা মহারাজনা, নচশিংবু হেন্ন নুংশিবা লৈরবস্থ মন্ত্রীশিং অসিনা মহারাজগী থম্মোই নুংগী ভাব পুম্নমকপু মুম্ন খংহনা মাত্তবু ফোংদোক্তুনা অমস্থ অমস্থ কাযদবা অফবা থবক অমতা তৌথোরক্কদবা লৈতে ॥১৩॥

মরম অসিমক্তনা, পুকচেল চাওরবা অমম্ভং তেজ লৈরবা ভীষ্ম অমদি দ্রোণনা কনাগুম্ব অমগী নফমদা অকায়ব অথিংবা ওইবা য়া অমতবু ভাংব লৈখিদ্রে, মহারাজনা মাহ থাজৈশেংনা খনবা ঙম্বিদ্রে অদুগা অমত্তা লোম্ন ঙমবিদ্রবনি ॥১৪॥ পাঙ্গমা পাণ্ডবশিংবু ঙম্বা থক য়াররোই হায়দুনা ভীষ্ম দ্রোণ অনিনা হায়রিবসে অচুম্বমক্লি মহারাজ! মহারাজ য়াইফবা মঙ্গল ওইনবা থবক থুনা তৌথোকপিহো ॥১৫॥ মহারাজ! ইন্দ্র মশামক্না লান্দ সব্যসাচী ওইরবা অর্জ্জুনবু জয় তৌব ঙম্মরোইদবনি ॥১৬॥ শামু লিশিং তরাগী পাঙ্গল কন্নবা, মশা চাও শাংলবা, মপান্থোম চাওরবা ভীমবু দেবতাশিংমক্না জয় তৌব য়ারগদবনি ॥১৭॥ অদুগা যমগী মচাগা মান্নন কন্নবা হৈরবা নকুল সহদেব অনিগা হিংহনা লৈনিংলিবা কনাগুম্ব অমতনা লান্দা শোক্লনীংঙরোইদবনি, ঙমম্থ ঙম্মরোই ॥১৮॥

যস্মিন্ ধৃতিরনুক্রোশঃ ক্ষমা সত্যং পরাক্রমঃ । নিত্যানি পাণ্ডবে জ্যেষ্ঠে স জীয়েত রণে কথম্ ॥১৯॥
যেষাং পক্ষধরো রামো যেষাং মন্ত্রী জনার্দ্দনঃ । কিন্নু তৈরজিতং সংখ্যে যেষাং পক্ষে চ সাত্যকিঃ ॥২০॥
দ্রুপদঃ শ্বশুরো যেষাং যেষাং শ্যালাশ্চ পার্ষতাঃ । ধৃষ্টদ্যুম্নমুখা বীরা ভ্রাতরো দ্রুপদাত্মজাঃ ॥২১॥
সোঽশক্যতাঞ্চ বিজ্ঞায় তেষামগ্রে চ ভারত ! । দায়াদতাঞ্চ ধর্ম্মেণ সম্যক্ তেষু সমাচর ॥২২॥
ইদং নির্দ্দিষ্টমযশঃ পুরোচনকৃতং মহৎ । তেষামনুগ্রহেণাস্ত রাজন্ ! প্রক্ষালয়াত্মনঃ ॥২৩॥
তেষামনুগ্রহশ্চায়ং সর্ব্বেষাঞ্চৈব নঃ কুলে । জীবিতঞ্চ পরং শ্রেয়ঃ ক্ষত্রস্য চ বিবর্দ্ধনম্ ॥২৪॥
দ্রুপদোঽপি মহান্ রাজা কৃতবৈরশ্চ নঃ পুরা । তস্য সংগ্রহণং রাজন্ ! স্বপক্ষস্য বিবর্দ্ধনম্ ॥২৫॥
বলবন্তশ্চ দাশার্হা বহবশ্চ বিশাম্পতে ! । যতঃ কৃষ্ণস্ততঃ সর্ব্বে যতঃ কৃষ্ণস্ততো জয়ঃ ॥২৬॥
যচ্চ সাম্নৈব শক্যেত কার্য্যং সাধয়িতুং নৃপ ! । কো দৈবশপ্তস্তৎ কার্য্যং বিগ্রহেণ সমাচরেৎ ॥২৭॥
শ্রুত্বা চ জীবতঃ পার্থান্ পৌরজানপদা জনাঃ । বলবদ্দর্শনে হৃষ্টাস্তেষাং রাজন্ ! প্রিয়ং কুরু ॥২৮॥

অসিগী মথক্তা, যুধিষ্ঠিরগী তপথবা, থাংহৈব, মীনুংশি খংবা, মীগী অরানবা কোর্কাপহৈব, অচুম্ব ভাংবা, মথৌনা, অসিনচিংবা গুণ পুম্নমকনা মতমলৈবখিবিক্তা মডোন্দা লেংদনা লৈরিডৈদা. মহাকপু লান্দা করম হায়না জয় তৌবা য়াগদৌরিবনো ? ॥১৯॥ অসিগী মথক্তা অমুকস্নু, বলরাম অমস্নুং সাত্যকি অনীনা তেংবাংবা ওইরিবা, কৃষ্ণনা মন্ত্রী দ্রুপদগুম্ব নিংথৌনা মখোয়গী মকু অমস্নুং ধৃষ্টদ্যুমুনচিংবা কল-থোঁরবা দ্রুপদগী মচাশিংনা মখোয়গী মশেল-মবাই থোকনহুনা লৈরিবা পাণ্ডবশিংনা জয় তৌরোইদৌরিবসি করম্ব লান্দনো ? ॥২০—২১॥ মরম অদুনা মহারাজ ! ইহান-হানবদা, পাণ্ডবশিংবু লান্দা জয় তৌবা হায়বসি ওইথোক্তরনি হাযবসি খংবিবগা, ধর্ম্মগী মতুংইন্না, ইচুম-চুমনা মখোয়দা মখোয়গী মপা মপুগী শকক ফংফম থোকপা অদু পীথোকপিখো ॥২২॥ ওসিমক পাণ্ডবশিংগী মফমদা মুংশিহৈবা থৌজাল উত্না পুরোচননা তৌখিবা ফত্রবা থবক অদুমক মহারাজনা তৌহনবনি হায়না চিংনরিবা অমদি তমথিনা নিন্দা তৌনরিবা পুম্বা কোকহনবিয়ু ॥২৩॥ মহারাজ ! অসিবু মতৌবিরবদি পাণ্ডবশিংগী মরমদা অমস্নুং ঐখোয়গী বংশ অসিগী মীরোল কয়াবু মহারাজনা মুংশিবিবা হায়বদুমক ওইরে। মরমদি ক্ষত্রিয়জাতিবু চাওখৎহলদুনা, হিংহনা লৈবা হায়বসি মহামঙ্গলগী মশক অমনি ॥ ২৪ ॥ অসিগী মথক্ত, দ্রুপদ হায়রিবা অসিস্নু মতম অসিদা চাওরবা খুকল পাজলিবা নিংথৌ অমনি, মমাংদৈদা ঐখোয়গা মহাক্কা য়েংথিনরুরে। হৌজিক হায়রিবা অদুমনবু তৌরবদি য়েংথিনরিবসিস্নু কোক্কনি, মখোয়বুস্নু থুত্নমচনবা হায়বদু থোক্কনি, ঐখোয়গী পক্ষগী, মীচংগী চাওখৎহনবা হায়বা থবক অদুস্নু থোক্কনি ॥২৫॥ অদুগা অসিগী মথক্তা য়্বা অমস্নু লৈরি, যদু বংশগী মীপুমনমক মপাঙ্গল কল্লি, মশিংস্নু য়াম্মি, মখোয় অসি কৃষ্ণনা য়াওখিবা মায়কৈদা য়াওখ্ৎগদবা ওাক্কনি, মরম অদুনা কৃষ্ণনা য়াওখিবা মায়কৈনা জয় ওইরগদবনি ॥২৬॥ ধর্ম্ম কায়দনা, তপথবগা লোয়ননা মপাঙ্গলতনা তৌরিবা থবক অদুবু মরাইবক্ত তম্বগী বাখলতদা লুপখৎবা করম্বা মীনা লাল শোক্নহনা পাংখোক্কনবা হোৎনগদগে ? ॥২৭॥ অসোমদস্নু পাণ্ডবশিং হিংহনা লৈরি হায়বসি তাবদা নগর অসিদা অমদি দেশ অসিদা লৈরিবা মীপুম্নমকনা মীপুম

দুর্য্যোধনশ্চ কর্ণশ্চ শকুনিশ্চাপি সৌবলঃ। অমাত্যমুখ্যা দুর্বুদ্ধা ভ্রাতা দুঃশাসনস্তথা ॥২৯॥

ঔদ্ধত্যাদেতং পশ্য রাজন্! যথা পৃথিবীপালয়ন্। দুর্য্যোধনপাপাদেব প্রবেক্ষ্যে বৈ বিনঙ্ক্ষ্যতি ॥৩০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বিদুরাগমনরাজ্যলাভে

বিদুরবাক্যং নামাষ্টনবত্যধিকশততমোহধ্যায়ঃ ॥০॥

—(*)—

থীংনা মথোয়গী মশক উনিংবনা, হৌগ্নাওবা থুংডাইবগা লোয়ননা মথুনীং কাংহনা ভাইহনা লৈরি; মহারাজনা মথোয়গী পেন্নবা তৌবিয়ু ॥২৮॥ দুর্য্যোধন কর্ণ, শকুনি মথোয় অসিদি ধর্ম্ম থংত্রবা, মপুকচেল ফত্রবা অমদি অপংবা মক্তনি, অদুনা মহারাজনা মথোয়গী মব্বাতারগা থবক তৌবিত্রোইদবনি ॥২৯॥ মহারাজ! মহারাজদি গুণ চেন্নবা, অশিংবনি অদুনা ঋা অসি ঐনা হায় গহংগচ্চরিবসিন্নি, দুর্য্যোধনগী হাক্তক্তগী, মহাকী মরান্দগী শাগৈ-নাতৈ পুম্বা তুমগদৌরি ॥৩০॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোক লিশিং চাম্না শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা বিদুরাগমনরাজ্যলাভতা বিদুরবাক্য কৌবা চামগা মরিকুমরানিপাল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—০:(*):০—

শ্রীমহাভারতম্

(বিদুরাগমনরাজ্যলাভপর্ব্ব।)

(চামা অরিকুমরা মাপল শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

ভীষ্মঃ শান্তনবো বিদ্বান্ দ্রোণশ্চ ভগবানৃষিঃ। হিতঞ্চ পরমং বাক্যং ত্বঞ্চ সত্যং ব্রবীষি মাম্ ॥১॥

যথৈব পাণ্ডোস্তে বীরাঃ কুন্তীপুত্রা মহারথাঃ। তথৈব ধর্ম্মতঃ সর্বে মম পুত্রা ন সংশয়ঃ ॥২॥

যথৈব মম পুত্রাণামিদং রাজ্যং বিধীয়তে। তথৈব পাণ্ডুপুত্রাণামিদং রাজ্যং ন সংশয়ঃ ॥৩॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়—বিদুর! শান্তনুগী মচা মহান লৈরবা ভীষ্ম, অদুগা ভগবান চাওবা ঋষি দ্রোণাচার্য্য অমদি নহাক, অহুম অসিনা ঐহাক্তা কাবা হায়বগা হায়ে ॥১॥ অদুবা, মহারাথি ওইরবা যুধিষ্ঠিরমচিংবশিং অসিনা পাণ্ডুগী মচা ওইরা অদুগুম্বনা, মথোয়সি ঐখোয়গী মচানি; মাসিদা অরিবু চিংনবা লৈতবনি ॥২॥ ঐনা ঐগী মচাশিংদা লৈপাক পীথোক্লিবা অদুগুম্বা পাণ্ডুগী মচা

ক্ষত্তরানয় গচ্ছৈতান্ সহ মাত্রা সুসংস্কৃতান্ । তয়া চ দেবরূপিণ্যা কৃষ্ণয়া সহ ভারত ! ॥৪॥
দিষ্ট্যা জীবন্তি তে পার্থা দিষ্ট্যা জীবতি সা পৃথা । দিষ্ট্যা দ্রুপদকন্যাঞ্চ লব্ধবন্তো মহারথাঃ ॥৫॥
দিষ্ট্যা বর্দ্ধামহে সর্ব্বে দিষ্ট্যা শান্তঃ পুরোচনঃ । দিষ্ট্যা মম পরং দুঃখমপনীতং মহাদ্যুতে ! ॥৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ততো জগাম বিদুরো ধৃতরাষ্ট্রস্য শাসনাৎ । সকাশং যজ্ঞসেনস্য পাণ্ডবানাঞ্চ ভারত ! ॥৭॥
সমুপাদায় রত্নানি বসূনি বিবিধানি চ । দ্রৌপদ্যাঃ পাণ্ডবানাঞ্চ যজ্ঞসেনস্য চৈব হ ॥৮॥
তত্র গত্বা স ধর্ম্মজ্ঞঃ সর্ব্বশাস্ত্রবিশারদঃ । দ্রুপদং ন্যায়তো রাজন্ ! সংযুক্তমুপতস্থিবান্ ॥৯॥
স চাপি প্রতিজগ্রাহ ধর্ম্মেণ বিদুরং ততঃ । চক্রতুশ্চ যথান্যায়ং কুশলপ্রশ্নসংবিদম্ ॥১০॥
দদর্শ পাণ্ডবাংস্তত্র বাসুদেবঞ্চ ভারত ! । স্নেহাৎ পরিষ্বজ্য স তান্ পপ্রচ্ছানাময়ং ততঃ ॥১১॥
তৈশ্চাপ্যমিতবুদ্ধিঃ স পূজিতো হি যথাক্রমম্ । বচনাদ্ধৃতরাষ্ট্রস্য স্নেহযুক্তং পুনঃ পুনঃ ॥১২॥
পপ্রচ্ছানাময়ং রাজন্ ! ততস্তান্ পাণ্ডুনন্দনান্ । প্রদদৌ চাপি রত্নানি বিবিধানি বসূনি চ ॥১৩॥
পাণ্ডবানাঞ্চ কুন্ত্যাশ্চ দ্রৌপদ্যাশ্চ বিশাম্পতে ! । দ্রুপদস্য চ পুত্রাণাং যথা দত্তানি কৌরবৈঃ ॥১৪॥
প্রোবাচ চামিতমতিঃ প্রশ্রিতং বিনয়ান্বিতঃ । দ্রুপদং পাণ্ডুপুত্রাণাং সন্নিধৌ কেশবস্য চ ॥১৫

শিংদসু পীক্ষম থোক্‌ফই, মসিদা চিংনফম করিস্স লৈতে ॥৩॥ অদুনা চৎলো বিদুর। নহাক চৎলগা, কুন্তী অমদি লাইরেম্বীগী মশক ওইরবী দ্রৌপদীগা লোয়ননা পাণ্ডবশিংবু লৌকল্লো ॥৪॥ লাইবক ফবনা পাণ্ডবশিংনা অমদি কুন্তীনা হিংদুনা লৈরিবনি ; অমুক্তা লাইবক ফবনা ইচা পাণ্ডবশিংনা দ্রৌপদীবু ফংলবনি ॥৫॥ ইরাইবক ফবনা ঐথোয় পুম্নমক চাওখৎপা ফংলবনি ; লাইবক্তু তম্নখিবনা পুরোচন হায়বা নিপাদো মথন্তু শিজখরবনি, লাইবক ফবগী হৌজিক্কি ঐগী অৱাবা পুম্না লৈত্রে ॥৬॥

বৈশম্পায়ননা হায়—তাও মহারাজ। বিদুরনা ধৃতরাষ্ট্রগী য়াথং মতুংইন্না দ্রৌপদী, পাণ্ডবশিং অমসুং দ্রুপদনচিংবগী মখল মখা অয়াম্বা লন্থুম, মণি-মুক্তা লীক-কোমচিংবা পুম্বনা পাণ্ডবশিং অমদি নিংথৌ দ্রুপদগী মফম তায় চৎখি ॥৭—৮॥ মহারাজ। শাস্ত্র পুম্নমক খংলবা অমসুং ধর্ম্ম চেনবা বিদুরনা মফম অদু তায় চৎখিদুনা ভাইশেল থোকননা দ্রুপদনা লৈশিং লেপ্পা অমদি মত্তিকচাবা ব্যবহার তৌখি ॥৯॥ দ্রুপদনা মত্তিক চানা বিদুরবু তরাক-তরায়না ওকখি। অদুগী তুংদা দ্রুপদগা বিদুরগা অনীমক অমনা অমগী মঙল ওইবগী হংলুনা খরখার কায়দনা ৱাশিনা ৱারি শানখি ॥১০॥ বিদুরনা মফম অদুদা পাণ্ডবশিংবু অমসুং শ্রীকৃষ্ণবু উবা ফংখি। য়াম্না নুংশিনা বিদুরনা পাণ্ডবশিংবু খোম্লি, অনা-অয়েক লৈতবগী ৱা হংনখি ॥১১॥ অদুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনচিংবা পাণ্ডব মচানা মথং মথং অহল অহল ওইবগী মতুংইন্না বিদুরবা চংশিন্নরক্না খুরমখি। শিংলবা বিদুরনা ধৃতরাষ্ট্রগী হায়রকপা মতুংইন্না য়াম্না নুংশিনা হন্না হন্না অনা-য়েক লৈরতগী ৱপাও হংখি। অদুগী তুংদা ধৃতরাষ্ট্রনচিংবনা হায়রকপা মতুংইন্না পাণ্ডবশিংদা কুন্তীদা, দ্রৌপদীদা, দ্রুপদদা অমসুং দ্রুপদগী মচাশিংদা মখল মখা অয়াম্বা পুরোরকপা লোন্তাক তোঙানা পীখি ॥১২—১৪॥ শিংলবা

বিদুর উবাচ।

রাজন্! শৃণু সহামাত্যঃ সপুত্রশ্চ বচো মম। ধৃতরাষ্ট্রঃ সপুত্রস্ত্বাং সহামাত্য সবান্ধবঃ ॥১৬॥
অব্রবীৎ কুশলং রাজন্! প্রীয়মাণঃ পুনঃ পুনঃ।প্রীতিমাংস্তে দৃঢ়ঞ্চাপি সম্বন্ধেন নরাধিপ! ॥১৭॥
তথা ভীষ্মঃ শান্তনবঃ কৌরবৈঃ সহ সর্ব্বশঃ। কুশলং ত্বাং মহাপ্রাজ্ঞঃ সর্ব্বতঃ পরিপৃচ্ছতি ॥১৮॥
ভারদ্বাজো মহাপ্রাজ্ঞো দ্রোণঃ প্রিয়সখস্তব। সমাশ্লেষমুপেত্য ত্বাং কুশলং পরিপৃচ্ছতি ॥১৯॥
ধৃতরাষ্ট্রশ্চ পাঞ্চাল্য! ত্বয়া সম্বন্ধমীয়িবান্। কৃতার্থং মন্যতেত্মানং তথা সর্ব্বেঽপি কৌরবাঃ ॥২০॥
ন তথা রাজ্যসম্প্রাপ্তিস্তেষাং প্রীতিকরী মতা। যথা সম্বন্ধকং প্রাপ্য যজ্ঞসেন! ত্বয়া সহ ॥২১॥
এতদ্বিদিত্বা তু ভবান্ প্রস্থাপয়তু পাণ্ডবান্। দ্রষ্টুং হি পাণ্ডুপুত্রাংস্ত ত্বরন্তি কুরবো ভৃশম্ ॥২২॥
বিপ্রোষিতা দীর্ঘকালমেতে চাপি নরর্ষভা। উৎসুকা নগরং দ্রষ্টুং ভবিষ্যন্তি তথা পৃথা ॥২৩॥
কৃষ্ণামপি চ পাঞ্চালীং সর্ব্বাঃ কুরুবরস্ত্রিয়ঃ। দ্রষ্টুকামাং প্রতীক্ষন্তে পুরঞ্চ বিষয়াশ্চ নঃ ॥২৪॥
স ভবান্ পাণ্ডুপুত্রাণামাজ্ঞাপয়তু মা চিরম্। গমণং সহদারাণামেতদত্র মতং মম ॥২৫॥

বিদুরনা পাণ্ডবশিংগী অমদি কৃষ্ণগী মাংদা নোল্লুক্লা মুংশিন্নবগা লোয়ননা দ্রুপদ নিংথৌগী মফমদা হায়রকই ॥১৫॥ বিদুরনা হায—মহারাজ! মহারাজগী নচাইবুঙোশিং অমদি মন্ত্রীশিংনা ঐনা হঙৎলিবসি মুন্ন অমুক্ত তাবিয়ু। মহারাজগী নফমদা মতম কুইনা মুংশিজরক্লবা, পেঞ্জরবা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রনা মহারাজগা ভাই-শেল থোক্লবসিদা য়াম্না মুংঙাইরহনা, মচাশিং, মন্ত্রীশিং অমস্তুং মকপমপাং শাগৈ-নাতৈশিংগা পুল্লপনা লৈমিন্নদুনা মহারাজগী মঙ্গল ওইবিরিনি, ওইসমু হায়না হন্ন হন্না হায়জরকই ॥১৬—১৭॥ থোইনা শিংলবা শান্তনুগী মচা ভীষ্মনা, কৌরবশিংগী মীপুম্নমক্কা লোয়ননা হিরম পুম্নমক্কা মঙ্গল ওইবিরিনি হায়না হংজরকই ॥১৮॥ অদুগা মহারাজগী চান্নখ্রবা মরূপ হৈশিংলবা, ভরবাজগী মচা দ্রোনাচার্য্যনা মহারাজবু আলিঙ্গন তৌদুনা, মঙ্গল ওইবগী ৱা হংলকই ॥১৯॥ মহারাজ! ধৃতরাষ্টনা অমদি কুরু শাগৈগী মী পুম্নমক্কা মহারাজগা ভাইশেল থোক্লবসিদা মশা মশাবু পোপগী মহৈ যাল্লে হায়না খল্লি ॥২০॥ মহারাজগা ভাইশেল থোকনবনা মথোয়গী মফমদা মুংঙাইবা পীবা অমুক লৈপাক অমা ফংলুবনসু অম্নক য়াম্না পীবা ঙম্মোই ॥২১॥ মরম অদুনা মহারাজনা পাণ্ডবশিংবু হস্তিনপুরদা থাবিরো। মরমদি কুরু বংশগী মীপুম্নমক্কা পাণ্ডবশিংবু উনীংবনা লৈকম চাকম খংগ্রে ॥২২॥ অদুগা পাণ্ডবশিংসু মতম কুইনা বিদেশদা লৈরক্লবনিনা, মথোয় পুম্নমক অদুগা কুন্তীদেবীসু হাস্তিনাপুর উনীংবনা য়াম্না লাংতকনরবনি ॥২৩॥ শাগৈগী মৌ নীঙোলশিংনা অমদি নগরদা দেশদা লৈবা প্রজাশিংনা দ্রৌপদীবু উগদবগী লাংতক্লনা ঙাইহনা লৈরি ॥২৪॥ অদুনা মহারাজ! থীনবিরসু; দ্রৌপদীগা লোয়ননা পাণ্ডবশিংবু থুনা য়াংনা হাস্তিনাপুরদা চৎহনখিনবা য়াথং পীবিরো ॥২৫॥ মহারাজ! মহাত্মা ভীষ্মগা পাণ্ডবশিং অসিবু হস্তিনাপুরদা থারগদি ঐমবনা অমুক

নিস্পৃষ্টেষু ত্বয়া রাজন্ পাণ্ডবেষু মহাত্মসু। ততোঽহং প্রেষয়িষ্যামি ধৃতরাষ্ট্রস্য শীঘ্রগান্।
আগমিষ্যন্তি কৌন্তেয়াঃ কুন্তী চ সহ কৃষ্ণয়া ॥২৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বিদুরাগমনরাজ্যলাভে বিদুরদ্রুপদসংবাদে নবনবত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:০:—

ধৃতরাষ্ট্রগী মফমদগী মখোয়বু মহারাজগীদা থাজরক্কনি। মখোয়বু অমুক কুন্তী অমদি দ্রৌপদীগা লোয়ননা অসিদা লাকখিগনি ॥২৬॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোকলিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা বিদুরাগমন রাজ্যলাভদা বিদুরদ্রুপদসংবাদ কৌবা চামগা মরিফুতরামাপল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—.(০):—

শ্রীমহাভারতম্

(ইন্দ্রপ্রস্থ কোনুং শেম্বা)

(চনিশুবা অধ্যায়)

—·(*):—

দ্রুপদ উবাচ।

এবমেতন্মহাপ্রাজ্ঞ! যথাত্থ বিদুরাদ্য মাম্। মমাপি পরমো হর্ষঃ সম্বন্ধেঽস্মিন্ কৃতে প্রভো! ॥১॥

গমনঞ্চাপি যুক্তং স্যাদদৃঢ়মেষাং মহাত্মনাম্। ন তু তাবন্ময়া যুক্তমেতদ্বক্তুং স্বয়ং গিরা ॥২॥

যদা তু মন্যতে বীরঃ কুন্তীপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। ভীমসেনার্জ্জুনৌ চৈব যমৌ চ পুরুষর্ষভৌ ॥৩॥

রামকৃষ্ণৌ চ ধর্ম্মজ্ঞৌ তদা গচ্ছন্তু পাণ্ডবাঃ। এতৌ হি পুরুষব্যাঘ্রাবেষাং প্রিয়হিতে রতৌ ॥৪॥

দ্রুপদনা হায়— বিদুর! হায়বিবিব, পুন্নমক অচুম্ব মক্কনি। ঐহাকন্য ময়ামগা ঙাইশেল থোক্লজবা অসিদা থোইদোক্লা মুংঙাইজরবনি ॥১॥ মখোয়না হস্তিনাপুরদা চৎখিবসি অচুম্বামক্নি। অদুবু বা অসে ঐ ইশামক্লা হায়দোকপা চুমদে ॥২॥ যুধিষ্ঠীর ভীম অর্জুন নকুল অমসুং সহদেবনা হস্তিনাপুরদা চৎলগে হায়না নীংলবা অতুগা চৎপা চুম্মি হায়না থল্লবা অদু ওইরবদি অমসুং রাম কৃষ্ণ অনীমক্না মাদুবু য়ারবদি পাণ্ডবশিংনা হস্তিনাপুর চৎখিব য়াই। মরমদি মীথোই মীহেনব রাম কৃষ্ণ অনিমক্না

যুধিষ্ঠির উবাচ।

পরবন্তো বয়ং রাজন্! ত্বয়ি সর্ব্বে সহানুগাঃ। যথা বক্ষ্যসি নঃ প্রীত্যা তৎ করিষ্যামহে বয়ম্ ॥৫॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

ততোঽব্রবীদ্বাসুদেবো গমনং রোচতে মম। যথা বা মন্যতে রাজা দ্রুপদঃ সর্ব্বধর্ম্মবিৎ ॥৬॥

দ্রুপদ উবাচ।

যথৈব মন্যতে বীরো দাশার্হঃ পুরুষোত্তমঃ। প্রাপ্তকালং মহাবাহুঃ সা বুদ্ধির্নিশ্চিতা মম ॥৭॥
যথৈব হি মহাভাগাঃ কৌন্তেয়া মম সাম্প্রতম্। তথৈব বাসুদেবস্য পাণ্ডুপুত্রা ন সংশয়ঃ ॥৮॥
ন তদ্ধ্যায়তি কৌন্তেয়ঃ পাণ্ডুপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। যথৈষাং পুরুষব্যাঘ্রঃ শ্রেয়ো ধ্যায়তি কেশবঃ ॥৯॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততস্তে সমনুজ্ঞাতা দ্রুপদেন মহাত্মনা। পাণ্ডবাশ্চৈব কৃষ্ণশ্চ বিদুরশ্চ মহীপতে! ॥১০॥
আদায় দ্রৌপদীং কৃষ্ণাং কুন্তীঞ্চৈব যশস্বিনম্। সবিহারং সুখং জগ্মুর্নগরং নাগসাহ্বয়ম্ ॥১১॥
শ্রুত্বা চাপ্যাগতান্ বীরান্ ধৃতরাষ্ট্রো জনেশ্বরঃ। প্রতিগ্রহায় পাণ্ডূনাং প্রেষয়ামাস কৌরবান্ ॥১২॥
বিকর্ণঞ্চ মহেষ্বাসং চিত্রসেনঞ্চ ভারত!। দ্রোণঞ্চ পরমেষ্বাসং গৌতমং কৃপমেব চ ॥১৩॥
তৈস্তে পরিবৃতা বীরাঃ শোভমানা মহাবলাঃ। নগরং হাস্তিনপুরং শনৈঃ প্রবিবিশুস্তদা ॥১৪॥
পাণ্ডবানাগতান্ শ্রুত্বা নাগরাস্তু কুতূহলাৎ। মণ্ডয়াঞ্চক্রিরে তত্র নগরং নাগসাহ্বয়ম্ ॥১৫॥

পাণ্ডবশিংগী কান্নবা অফবতা খন্দুনা লৈরিবনি ॥৫—৪॥ যুধিষ্ঠীরনা হায়— মহারাজ! মরুপ মপাং মীনায় মীশল পুম্নমক্কা লোয়ননা ঐখোয় পুম্নমক মহারাজ নখা পোম্ন লৈজরবনি, মহারাজনা ঐখোয়বু চানবিদুনা অসুম কৈ হায়না তাকপিবদুতা তৌজগনি ॥৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়— যুধিষ্ঠিরগী ৱা তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই— পাণ্ডবশিংনা হস্তিনাপুরদা চৎপদি ঐসু পাম্মি। অদুবু মহারাজ দ্রুপদনা পাম্বিবা অদুসু ॥৬॥ দ্রুপদনা হায়— মী পুম্নমক্তগী অখোইবা শ্রীকৃষ্ণনা মতম অসিগা চপ চারে হায়না খনবিরিবদুদা ঐসু য়াজরে ॥৭॥ মরমদি পাণ্ডবশিংনা ঐগী সুংশিনকম ওইরিবা অসিগুম্না শ্রীকৃষ্ণগী মফমদসু মতম্নলেব খিক্কি সুংশিবিকম ওইনা লৈবিরনি ॥৮॥ মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা মখোয়গী অফবতা খন্দুনা লৈবিবা অদুপ যুধিষ্ঠির মশামকসু মখোয়গী ফননবা খনবা ঙম্বা পোৎ নত্তে ॥৯॥ বৈশম্পায়ননা হায়— অসিগী তুংদা, দ্রুপদ নিংথৌনা হায়বক্কা পাণ্ডবশিং কৃষ্ণ অমদি বিদুর ময়াম অসিনা দ্রৌপদী অমসুং কুন্তীবু পুদুনা য়াম্না নুংঙাইনা হরাও তয়াম্না হস্তিনাপুর তম্না যাত্রা তৌরক্লে ॥১০—১১॥ অসোমদা, ধৃতরাষ্ট্রনা পাণ্ডবশিং লাক্লে হায়বসু তাবদা মখোয়বু ওক্নুনা লৌরুনবা বিকর্ণ; চিত্রসেন, দ্রোণাচার্য্য অমসুং কৃপাচার্য্যবু থারক্লে ॥১২—১৩॥ অদুগী তুংদা; পাণ্ডবশিংনা চিত্রসেননচিংবা মীয়াম্না পুমকোয় কোয়শিন্দুনা; থোইদোক্না নীংথিজবা ফজবা হায়বসু ওইরদুনা হস্তিনাপুরগী নগর মনুংদা চংলক্লে ॥১৪॥ পাণ্ডবশিংনা নগরদা চংলক্লে হায়বসু তাবদা নগর অদুদা লৈরিবা মী পুম্নমক্না হরাওবা উনিংবদা লোয়ননা খুদক অদুদা নগর অদু শেম শাদুনা ফজহনখি ॥১৫॥

মুক্তপুষ্পাবকীর্ণশ্চ জলসিক্তশ্চ সর্ব্বতঃ। ধূপিতং দিব্যধূপেন মঙ্গলৈশ্চাভিসংবৃতম্ ॥১৬॥
পতাকোচ্ছ্রিতমাল্যঞ্চ পুরমপ্রতিমং বভৌ। শঙ্খভেরীনিনাদৈশ্চ নানাবাদিত্রনিস্বনৈঃ ॥১৭॥
কৌতূহলেন নগরং দীপ্যমানমিবাভবৎ। যত্র তে পুরুষব্যাঘ্রাঃ শোকদুঃখবিনাশনাঃ ॥১৮॥
ততঃ উচ্চাবচা বাচঃ পৌরৈঃ প্রিয়চিকীর্ষুভিঃ। উদীরিতা অশৃণ্বংস্তে পাণ্ডবা হৃদয়ঙ্গমাঃ ॥১৯॥
অয়ং স পুরুষব্যাঘ্রঃ পুনরায়াতি ধর্ম্মবিৎ। যো নঃ স্বানিব দায়াদান্ ধর্ম্মেণ পরিরক্ষতি ॥২০॥
অদ্য পাণ্ডুর্মহারাজো বনাদিব জনপ্রিয়ঃ। আগতঃ প্রিয়মস্মাকং চিকীর্ষুর্নাত্র সংশয়ঃ ॥২১॥
কিন্নু নাদ্য কৃতং তাত! সর্ব্বেষাং নঃ পরং প্রিয়ম্।
যন্নঃ কুন্তীসুতা বীরা নগরং পুনরাগতাঃ ॥২২॥
যদি দত্তং যদি হুতং বিদ্যতে যদি নস্তপঃ। তেন তিষ্ঠন্তু নগরে পাণ্ডবাঃ শরদাং শতম্ ॥২৩॥
ততস্তে ধৃতরাষ্ট্রস্য ভীষ্মস্য চ মহাত্মনঃ। অন্যেষাঞ্চ তদর্হাণাং চক্রুঃ পাদাভিবন্দনম্ ॥২৪॥

মফম মফম খুদিংদা, লৈয়াম থম্ন চাইথোকই, লম্বী থোং পুম্নমক, ঈশিংনা নীংথিনা খিকতোকখি
থোঙ্গাল থোঙ্গাল খুদিংদা মনম মুংশিবা ধূপ দীপ, ঈশিংপুল অথনবা,
মঙ্গলগী পোশক পুম্নমক, ওম্ন থেন্দুনা থম্নখি। ফীরাল মচু মচুগী, লৈপম্নেং, পম্নেং পরেং
হাইগত্তুনা, ম্লান্দুনা থম্নখি। পেরে শিঙ্গা মোইবুংগী
খোঞ্জেম্না মঙ্গলবু ওকখি। মাহুতনা নগরগী, থোইনা ফজবা ওইখরে ॥১৬—১৭॥
মী পুম্নমক্কী অম্বাব কোকপিনবা মশক ওইরবা মীথোই মীহেনবা পাণ্ডবশিং ল্যাক্রে হায়ম্লনা নগর অদু মশামক য়ুম্না হরাও তমাম্বগা লোয়নমা হান্নদগী হেম্ন ফজবগুম উখি ॥১৮॥ নগর অদুদা লৈরিবা মীশিংনা পাণ্ডবশিংগী মফমদা পেন্ননবা মুংশিবা অথুম্ব ম্বাহৈনা মঙ্গল ওইবগী ম্বা লাও জুনথি অমম্ভুং ইকায় খুম্ননা ম্বারী শাই, মাহু পুম্নমক পাণ্ডবশিংনা হম্লাও হরাও, তরাম ওম্নাম তায় ॥১৯॥

নিপারঙ্গী অথোইবা, ধর্ম্ম খংলবা যুধিষ্ঠির,
হম্নক্রে ঙসি হস্তিনাদা। ধর্ম্ম চেম্নবা মহাত্মা, ধর্ম্মগী মতুং ইম্নবু,
ঙাকপিরনি এখোয়বু, মচাগুম ॥২০॥
ঙসি পাণ্ডু নিংথৌনা, প্রজাবু মুংশিবিব মহাত্মা, এখোয়বু মুংশাইহনগে হায়রমনা,
হম্নক্রে অমুক বনবাসদগী ॥২১॥ মখোয়না ঙসি হম্নক্তুনা, হস্তিনাদা অমুক লাকপনা,
এখোয়গী পেম্ননবা করি অমুক, তৌদববু লৈরিবগে? ॥২২॥
এখোয়না করিগুম্বা তৌখিবা দান ধর্ম্ম, হোম-জপ তপস্যা, পুণ্য তৌখিবা
মাহুগী মহৈ এখোয়না লৌজরোই, মাহুগী মহৈ হুমজনা, পাণ্ডবশিং মম্বা অসিবু
চহী চাম পূনশিন্নুনা, হস্তিনাপুরদা লৈবা ওইসনু ॥২৩॥
অমগী তুংদা পাণ্ডবশিংনা ভীষ্ম ধৃতরাষ্ট্র অমসুং অতোপ অতোপ্পা পূজা তৌননব-যতিক চারবা
মাইগুক অদুদা লমন পুম্নমকত্তা চংশিন চংশিন্দুনা খুরুম্নখি ॥২৪॥

কৃত্বা তু কুশলপ্রশ্নং সর্বেণ নগরেণ চ। প্রবিশন্তাথ বেশ্মানি ধৃতরাষ্ট্রস্য শাসনাৎ ॥২৫॥
দুর্য্যোধনস্য মহিষী কাশিরাজসুতা তদা ধৃতরাষ্ট্রস্য পুত্রাণাং বধূভিঃ সহিতা তদা ॥২৬॥
পাঞ্চালীং প্রতিজগ্রাহ সাধ্বীং শ্রিয়মিবাপরাম্। পূজয়ামাস পূজার্হাং শচিদেবীমিবাগতাম্ ॥২৭।
ববন্দে তত্র গান্ধারীং কৃষ্ণয়া সহ মাধবী। আশিষশ্চ প্রযুক্তা তু পাঞ্চালীং পরিষস্বজে ॥২৯॥
পরিষজ্যৈব গান্ধারী কৃষ্ণাং কমললোচনাম্। পুত্রাণাং মম পাঞ্চালী মৃত্যুরেবেত্যমন্যত ॥২৯॥
সঞ্চিন্ত্য বিদুরং প্রাহ যুক্তিতঃ সুবলাত্মজা। কুন্তীং রাজসুতাং ক্ষত্তঃ! সবধূং সপরিচ্ছদাম্ ॥৩০॥
পাণ্ডোর্নিবেশনং শীঘ্রং নীয়তাং যদি রোচতে। করণেন মুহূর্ত্তেন নক্ষত্রেন শুভে তিথৌ ॥৩১॥
যথা সুখং তথা কুন্তী রংস্যতে স্বগৃহে সুখৈঃ। তথেত্যেব তদা ক্ষত্তা কারয়ামাস তত্তথা ॥৩২॥
পূজয়ামাসুরত্যর্থং বান্ধবাঃ পাণ্ডবাংস্তদা। নাগরাঃ শ্রেণিমুখ্যাশ্চ পূজয়ন্তি স্ম পাণ্ডবান্ ॥৩৩॥
ভীষ্মো দ্রোণঃ কৃপঃ কর্ণো বাহ্লীকঃ সসুতস্তদা। শাসনাদ্ ধৃতরাষ্ট্রস্য অকুর্ব্বন্নতিথিক্রিয়াম্ ॥ ৩৪॥
এবং বিহরতাং তেষাং পাণ্ডবানাং মহাত্মনাম্। নেতা সর্ব্বস্য কার্য্যস্য বিদুরো রাজশাসনাৎ ॥৩৫॥
বিশ্রান্তাস্তে মহাত্মানঃ কঞ্চিৎ কালং মহাবলাঃ। আহূতা ধৃতরাষ্ট্রেণ রাজ্ঞা শান্তনবেন চ ॥৩৬॥

অদুগী তুংদা, পাণ্ডব মডানা নগরগী মীপুম্মক্না মঙ্গল ওইবগী হ্বা পাও হংন খুমনরগা ধৃতরাষ্ট্রগী য়াথং মতুংইন্না মাগী মাগী য়ুমদা চংখি ॥২৫॥ মতম অদুদা দুর্য্যোধনগী লোয়নবী, কাশী নিংথৌগী মচানুপীনা ধৃতরাষ্ট্রগী অতোপ অতোপ্পী মমৌশিংগা লোয়নননা, তিন্নদুনা পুল্লপনা অনীশুবী লক্ষ্মীগী মতৌগুমলবী দ্রৌপদীবু তরাম তরামনা স্বাগত তৌদুনা পুশিনখি, অনৌবী, লাক্লিবী, ইন্দ্রগী শচীদেবগা মান্ননা ইকায় খুমননবগী মশক ওইরবী, দ্রৌপদীদা মতিকচাবা সম্মান উংখি ॥২৬—২৭॥ মতম অসিদা কুন্তীনা মমৌ দ্রৌপদীগা লোয়ননা চংশিনখিদুনা গান্ধারীদা খুকমখি গান্ধারীসু অনীবু আশীর্ব্বাদ তৌরগা দ্রৌপদীবু কোনবিখি ॥২৮॥ গান্ধারীনা দ্রৌপদীবু হেক কোনবদা, মাসিনা ঐগী ইচাশিংগী তুমনা শিননবগী মরম ওইরগদৌরিবনিসে হায়না মপুক্লিংদা খনখি ॥২৯॥ অদুগী তুংদা গান্ধারীনা ওহাক চিন্তা তৌরগা বিধি কায়দনা বিদুরদা হায়খি—বিদুর। মাসি অফবনি খল্লবদি, অফবা পুংক্ষম অমদা, থব্বানমিচাক তেক্ত-কায়দবনা তিল্লবা, অফবা মঙ্গল পীনবা তিথি অমদা দ্রৌপদীগা লোয়ননা কুন্তীবু পাণ্ডুনা হান্ন লৈরম্ব য়ুম অদুদা খর লৈহল্লু ॥৩০—৩১॥

থাঙ্গৈশেংবা ময়ুমদা লৈরগা নুংঙাইজবা অদুগুম্না কুন্তীনা মচা মমৌগা লোয়ননা য়ুম অদুদা নুংঙাইনা লৈখিগনি য়ামনা ফনি "হায়দুনা বিদুরনা হাযরিবা অদুমক তৌখি ॥৩২॥ মতম অদুদা, মরূপমপাংশিং অমসুং হস্তিনাপুরগী নগরদা লৈবা মীশিংনা অমসুং দল অমমমগী মকোক মকোক ওইবা মীশিংনা পাণ্ডবশিংবু য়ামনা ইকায় খুমননা ব্যবহার তৌখি ॥৩৩॥ ধৃতরাষ্ট্রগী য়াথং মতুংইন্না ভীষ্ম, দ্রোণ, কৃপ, কর্ণ অমসুং মচাশিংগা লোয়নরবা বাহ্লীক, পুমনমক অসিনা পাণ্ডবশিংগী হীপন-চানবা পুমনমক শেম শাখি ॥২৪॥ মতৌ অসুমনা পাণ্ডবশিংনা হাস্তিনাপুরদা লৈখি; মতম অসিদা ধৃতরাষ্ট্রগী য়াথং মতুংইন্না [বিদুরনা থবক পুম্ব অসিগী লুচিংবা ওইনা শীল্লাংদুনা লৈখি ॥৩৫॥ মতৌ অসুম মতম খর লৈরবা তুংদা, নোংম ধৃতরাষ্ট্র, অমদি ভীষ্মনা মখোয়বু কৌদুনা

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

ভ্রাতৃভিঃ সহ কৌন্তেয়! নিবোধ গদতো মম। পুনর্নো বিগ্রহো মাভূৎ খাণ্ডবপ্রস্থমাবিশ ॥৩৭॥

ন চ বো বসতস্তত্র কশ্চিচ্ছক্তঃ প্রবাধিতুম্। সংরক্ষ্যমাণান্ পার্থেন ত্রিদশানিব বজ্রিণা ॥৩৮॥

অর্দ্ধং রাজ্যস্য সম্প্রাপ্য খাণ্ডবপ্রস্থমাবিশ।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

প্রতিগৃহ্য তু তদ্বাক্যং নৃপং সর্ব্বে প্রণম্য চ ॥৩৯॥

প্রতস্থিরে ততো ঘোরং বনং তন্মনুজর্ষভাঃ। অর্দ্ধং রাজ্যস্য সম্প্রাপ্য খাণ্ডবপ্রস্থমাবিশন্ ॥৪০॥

ততস্তে পাণ্ডবাস্তত্র গত্বা কৃষ্ণপুরোগমাঃ। মণ্ডয়াঞ্চক্রিরে তদ্বৈ পুরং স্বর্গবদচ্যুতাঃ ॥৪১॥

ততঃ পুণ্যে শুভে দেশে শান্তিং কৃত্বা মহারথাঃ। নগরং মাপয়ামাসুর্দ্বৈপায়নপুরোগমাঃ ॥৪২॥

সাগরপ্রতিরূপাভিঃ পরিখাভিরলঙ্কৃতম্। প্রাকারেণ চ সম্পন্নং দিবমাবৃত্য তিষ্ঠতা ॥৪৩॥

পাণ্ডুরাভ্রপ্রকাশেন হিমরশ্মিনিভেন চ। শুশুভে তৎ পুরশ্রেষ্ঠং নাগৈর্ভোগবতী যথা ॥৪৪॥

দ্বিপক্ষগরুড়প্রখ্যৈর্দ্বারৈঃ সৌধৈশ্চ শোভিতম্। গুপ্তমভ্রচয়প্রখ্যৈর্গোপুরৈর্মন্দরোপমৈঃ ॥ ৪৫ ॥

বিবিধৈরভিনির্বদ্ধৈ' শস্ত্রোপেতৈঃ সুসংবৃতৈঃ। শক্তিভিশ্চাবৃতং তদ্ধি দ্বিজিহ্বৈরিব পন্নগৈঃ ॥৪৬॥

হায়খি ॥ ৩৬ ॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়খি— যুধিষ্ঠির! নহাক ননাওশিংগা লোয়ননা ঐনা হায়রিবসি মুন্না তাও। নখোয ঐখোয়গী মরক্তা খৎন চৈনদনবা ইন্দ্রপ্রস্থদা চত্নুনা মফম অহুদা লৈক ॥৩৭॥ নখোয়না মফম অতুদা লৈরবদি, স্বর্গদা দেবরাজ ইন্দ্রনা দেবতা পুমনমকপু ঙাকশেন্দুনা মুঙাইনা লৈবা অতুগুমলত্নুনা অর্জ্জুননা নখোয়বু ঙাকশেন্দুনা মুংঙাইহ্নুনা লৈগনি। কনা অমতনা নখোয়দা ওৎলবা ঙম্মরোই ॥৩৮॥ নখোয়না লৈপাক অসি তংখাই হুমা লৌরগা ইন্দ্রপ্রস্থদা কোম্সুং শেমহ্নুনা লৈক। বৈশম্পায়ননা হায়খি—মীথোই মীহেল্লবা পাণ্ডবশিংনা ধৃতরাষ্ট্রনা হায়বা ৱা অসি ইন্দুনা, মহাকপু খুৎমলহনা অকিবগী মশক ফংলবা বনগী লম্বীদা ইন্দ্রপ্রস্থ তান্না চৎখি লৈপাক তংখাই অমগী মপু ওইহ্নুনা মফম অত্নুদা লৈখি ॥৩৯—৪০॥ মফম অত্নুদা ধর্ম্ম চেল্লবা স্বর্গদগী নাম্থরকপগুম্বা পাণ্ডবশিংনা কৃষ্ণগা লোযননা চৎখিহ্নুনা স্বর্গপুরগী মতৌগুমনা মফম অতুবু নীংথিজহনখি ॥৪১॥ অত্নুগী তুংদা মখোয়না শেংলবা, মঙ্গলগী মশক ওইরবা মফম অতুদা, মঙ্গল ওইনবা যজ্ঞদাননচিংবা তৌহ্নুনা বেদ ব্যাসগা চিন্নহ্নুনা তান্নহ্নুনা নগর অতুগী ওইগদৌরিবা মরাক মযুং অহু ওন্দোকখি ॥৪২॥ অত্নুগী মখোয়না সমুদ্রগী মতৌগুমনা পাক চাওরবা থাংগপাৎনা অমম্মুং ঈশিংগী শরুক য়াওব্রবা নোংগী মতৌগুমনা ভোরবা ৱাং চাওব-শাংলবা চেকপাল্লা অকোয়বদা নগর অতুগী লৈতেং ওইহনখি। মতম অতুদদি, চাওর-চাওরবা লিন্না থল্লবা অমসুং ভোগবতী কৌবী তুরেন্না কোয়শিল্লবা পতালগী মতৌ-গুমনা ইন্দ্রপ্রস্থনা নীংথিজখি ॥৪৩—৪৪॥ মশীং লাকঙমদ্রবা ফুরা দলাল মপৈনা নগর অদো থোক্ত-দোকনা ফজখরে, মন্দর কৌবা চীংগী মতৌগুমনা ৱাং চাওরবা শনথোং অমদি গরুড়গী মশা অনীগুম পাক চাওরবা থোংপাকনা নগর অতুবু থিংহ্নুনা ঙাকতুনা থমখি ॥৪৫॥ মথল মথা অয়াম্বা, তোঙাল তোঙালবা যুদ্ধজাওদা খুৎলাই মথল মথল পৈখৎখ্রে; মচীল মরৈ অনীলোংব লীলগী মপৈগুম্বা মচীল অনী লোংবা খুৎলাই জাৎ জাৎকী মপৈ মপৈ পৈখত্নুনা থমখ্রে ॥৪৬॥

তলৈশ্চাভ্যাসিকৈর্যুক্তং শুশুভে যোধরক্ষিতম্। তীক্ষ্ণাঙ্কুশশতঘ্নীভির্যন্ত্রজালৈশ্চ শোভিতম্ ॥৪৭॥
আয়সৈশ্চ মহাচক্রৈঃ শুশুভে তৎ পুরোত্তমম্। সুবিভক্তমহারথ্যং দেবতাবাধবর্জিতম্ ॥৪৮॥
বিরোচমানং বিবিধৈঃ পাণ্ডুরৈর্ভবনোত্তমৈঃ। তত্ত্রিবিষ্টপসঙ্কাশমিন্দ্রপ্রস্থং ব্যরোচত ॥৪৯॥
মেঘবৃন্দমিবাকাশে বিদ্ধং বিদ্যুৎসমাবৃতম্। তত্র রম্যে শিবে দেশে কৌরব্যস্য নিবেশনম্ ॥৫০॥
শুশুভে ধনসম্পূর্ণং ধনাধ্যক্ষক্ষয়োপমম্। তত্রাগচ্ছন্ দ্বিজা রাজন্! সর্ব্বেবেদবিদাং বরাঃ ॥৫১॥
নিবাসং রোচয়ন্তি স্ম সর্ব্বভাষাবিদস্তথা। বণিজশ্চাভ্যযুস্তত্র নানাদিগ্‌ভ্যো ধনার্থিনঃ ॥৫২॥
সর্ব্বশিল্পবিদস্তত্র বাসায়াভ্যাগমংস্তদা। উদ্যানানি চ রম্যাণি নগরস্য সমন্ততঃ ॥৫৩॥
আম্রৈরাম্রাতকৈর্নীপৈরশোকৈশ্চম্পকৈস্তথা। পুন্নাগৈর্নাগপুষ্পৈশ্চ লকুচৈঃ পনসৈস্তথা ॥৫৪॥
শালতালতমালৈশ্চ বকুলৈশ্চ সকেতকৈঃ। মনোহরৈঃ সুপুষ্পৈশ্চ ফলভারাবনামিতৈঃ ॥৫৫॥
প্রাচীনামলকৈর্লোধ্রৈরঙ্কোলৈশ্চ সুপুষ্পিতৈঃ। জম্বুভিঃ পাটলাভিশ্চ কুব্জকৈরতিমুক্তকৈঃ ॥৫৬॥
করবীরৈঃ পারিজাতৈরন্যৈশ্চ বিবিধৈর্দ্রুমৈঃ। নিত্যপুষ্পফলোপেতৈর্নানাদ্বিজগণায়ুতম্ ॥৫৭॥

মশীং লাকওমত্রবা মুরা-মলাল হুমিং খুদিং শাগংলি; চেকশাবা, রাজমিস্ত্রি মপৈ মপৈ খুন্দারক্রে, খুৎলাই পায়বা লাম্মীশিংনা কোয়চৎ চত্তুনা নগর অন্নবু হুজংহন্দা ঙাক শেঙ্গি। চেকপনশিং অমগী মথক্তা, মচীল থিন্দোক থিন্দোক্তুনা তোপ পল্লেং পল্লেং থমখি, মাতুগী মরক মরক্তা, মচীল তুমলবা থৌরবা শামুকাতি শাবা য়োৎশিং য়োৎ কয়া য়ুংহুমলগা থমলি। নগর অমগী মমুংদা যন্ত্র মরে (কোল) কয়া শাতুনা থমথরে ॥৪৭॥ ইন্দ্রপ্রস্থ হায়রিবা নগর অসি চাওয় চাওবা য়োংকী চক্র পল্লেং পল্লেংনা থোইদোকনা নীংথিজরবা রাজপথ (লমজাও সন্নোক) কয়া শেমথরে; নগরগী করিগুম্বা মকমদা লাইগী অমদি মীগী উপদ্রব থোকয়দ্রম অমদি মাতুগীমক কিনমক লৈখিদ্রে ॥৪৮॥ বাংলবা ঙৌরবা মওং মওংগী য়ুমনা থল্লবা ইন্দ্রপ্রস্থ কৌবা নগর অসি স্বর্গগী অমরাবতী পুরীগী মতোৎশম নীংথিজরখি ॥৪৯॥ নগরী অসিগী ময়াম্না নীংথিজরবা উবা মফমগী মমাক ওইরবা মফম অমদা কুরুরাজ যুধিষ্ঠিরগী শঙ্গায় শাথয়ে; মমাং অক্তুগী বাংলবা মক্তোলশিং অক্তুনা থিংজংথিবা নোংথাংগা লোয়ননা লোৎপেগী মতোৎশম নোংমদোনগা তিয়মখি ॥৫০॥

মথং মথং, ইন্দ্রপ্রস্থ কৌবী নগরী অসি লনথুম শনা লুপানা পীক থল্লক্তুনা কুবেরগী অলকাপুরীশম নীংথিজখে। বেদ হৈরবা থংলবা ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিং লাক লাক্তুনা খুন্দাথরে ॥৫১॥ লোল মথম মথম হৈরবা মীশিংনা ইন্দ্রপ্রস্থতা লাক লাক্তুনা খুন্দানীংজক্রে। মতোল ইভিক ভৌবা মীশিংনা লোল তামদে হায়তুনা মায়কৈ মরীমক্তগী হাইজিনক্রে ॥৫২॥ মথুং মশা হৈবা মেন মেনলাই মী কয়া কয়ামা ইন্দ্রপ্রস্থদা লাক্রখি, নগর অক্তুগী মকম মকমদা কঙ কঙরবা বন মচা উমং লৈকোলনচিংবা লোৎপেগী ॥৫৩॥ নগর অক্তুগী মমুংদা, নীংথিজবা মহৈ মরোং চুমলবা, মহৈ মহোং লুখনা মরাম লুবদা হৈনৌ, হৈনৌং, হৈরু, কমব, নাওউইঙ্গলাং, লৈজাও নাগকেশর (নাগেশর) হৈথোং, থৈবোং চীংথম লোনা, তমাল, বকুল, কেতুকী, অমলক, অঙ্কোল, জাম, পাটল, ভিবিল, করবীর অমসুং পারিজাৎলোচিংবা মথল মথা অয়াম্বা হৈলোল লৈপাক্তন থজ থৌথে; মথোয় অসি মতম লৈবা থিবিক্তা

ময়ূরবর্হিণসংঘুষ্টৈঃ কোকিলৈশ্চ সদামদৈঃ । গৃহৈরাদর্শবিমলৈর্বিবিধৈশ্চ লতাগৃহৈঃ ॥৫৮॥
মনোহরৈশ্চিত্রগৃহৈস্তথাঽজগতিপর্বতৈঃ । বাপীভির্বিবিধাভিশ্চ পূর্ণাভিঃ পরমাম্ভসা ॥৫৯॥
সরোভিরতিরম্যৈশ্চ পদ্মোৎপলসুগন্ধিভিঃ । হংসকারণ্ডবযুতৈশ্চক্রবাকোপশোভিতৈঃ ॥৬০॥
রম্যাশ্চ বিবিধাস্তত্র পুষ্করিণ্যো বনাবৃতাঃ । তড়াগানি চ রম্যাণি বৃহন্তি সুবহূনি চ ॥৬১॥
তেষাং পুণ্যজনোপেতং রাষ্ট্রমাবিশতাং মহৎ । পাণ্ডবানাং মহারাজ ! শশ্বৎ প্রীতিরবর্দ্ধত ॥৬২॥
তত্র ভীষ্মেণ রাজ্ঞা চ ধর্ম্মপ্রণয়নে কৃতে । পাণ্ডবাঃ সমপদ্যন্ত খাণ্ডবপ্রস্থবাসিনঃ ॥৬৩॥
পঞ্চভিস্তৈর্মহেষ্বাসৈরিন্দ্রকল্পৈঃ সমন্বিতম্ । শুশুভে তৎ পুরশ্রেষ্ঠং নাগৈর্ভোগবতী যথা ॥৬৪॥
তান্ নিবেশ্য ততো বীরো রামেণ সহ কেশবঃ । যযৌ দ্বারবতীং রাজন্ ! পাণ্ডবানুমতে তদা ॥৬৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
বিদুরাগমনরাজ্যলম্ভে পুরনির্ম্মাণং নাম দ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২০০॥

—.(•):—

মনা মপাল শাই, মহৈ য়াম্দুনা শাক্ত লৈ। উথকশিং অদুদা মথল মখা অয়াম্বা উচেক ময়াম তোংলি, ঈশৈ শক্রি। ময়ায় কারবা হাহোং লাব অমোম্রশিং অমদি কোকিলশিংনা মুংশিনা খোংল খোংলদুনা কোয়না কোয়না পাইরি। মিংশেলগী মতৌগুম লংলবা, লুববা য়ুম অমসুং উরীগী য়ুম, পুক্রিং হুননবগী মশক ওইরবা লাইয়েংশং, কাদুনা কোয়হনা শান্নবা য়াবা চীংমচা কয়ানালৈতেংলবা নগরনি। লংলবা লুরবা ঈশিংনা থল্লবা পুখ্রী মচা কয়া অমসুং শাংলিবা থরো থম্বালগী মুংশিরবা মনম্না ময়ায় কারবা হরাওরবা, ভানু কাংঙ, ভাম্বুথজোং মপৈনা লৈতেং ওইরবা অচৌ অচৌবা পুখ্রী কয়া কয়া লৈ ॥৫৪—৬০॥ ইন্দ্রপ্রস্থ কৌবা নগর অসিদা বন মচা, উমং, লৈকোম মপান অকোয়বদা লৈরবা, রেংবদা পুক্রিং হুরবা, খুৎচংনা শেম্লবা পুখ্রী মচা মচা অমসুং পাক চাওরবা পুখ্রীনা মফম মফমদা লৈরম্মি ॥৬১॥

মহারাজ ! ধর্ম্ম চেল্লবা, হৈ শিংলবা প্রজানা থল্লবা পাক চাওরবা লৈপাক অদুদা চংদুনা লৈথ্রবশিংগী তুংদা পাণ্ডবশিংগী মথৱাই মুংঙাইবা, হরাওবা অসি নোংম নোংমগী হেনগৎখি ॥৬২॥ ভীষ্ম অমসুং ধৃতরাষ্ট্রনা ধর্ম্মগী মতুং ইন্ন লৈপাক পীরবসিদা পাণ্ডবশিংনা খাণ্ডবপ্রস্থ হায়বদি ইন্দ্রপ্রস্থগী মী ওইদুনা অদুম লৈখ্রে ॥৬৩॥ অমমম্না ইন্দ্রগা মান্নরবা, অচৌবা লীকং পায়রবা পাণ্ডব মঙানা লৈরবসিদা ইন্দ্রপ্রস্থ হায়রিবা নগর অসি লিলদুনা ভাকশেল্লিবা পাতাল পুরীগী মতৌগুম্না নীংথিজখি ॥৬৪॥ মহারাজ ! ইন্দ্রপ্রস্থযু মতৌ অমম্না শেমলমলগা মীথোই মিহেম্না কল্লবা, শক্তি লৈরবা কৃষ্ণনা পাণ্ডবশিংগী অফমদগী বিদায় লৌম্বনা বলদেবগা লোয়নননা দ্বারকা তাম্ন লেংখি ॥৬৫॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতগী শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেখবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা "বিদুরাগমনরাজ্যলাভ"গী মনুংদা "ইন্দ্রপ্রস্থপুরনির্ম্মাণ" কৌবা চনী শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:০:—

শ্রীমহাভারতম্

(নারদগী যুধিষ্ঠিরগা ঙাংনব)

(চনি অমা শুবা অধ্যায়)

——:(•):——

জনমেজয় উবাচ।

এবং সম্প্রাপ্য রাজ্যং তদিন্দ্রপ্রস্থং তপোধন।। অত ঊর্দ্ধং মহাত্মানঃ কিমকুর্ব্বত পাণ্ডবাঃ ।।১।।
সর্ব্ব এব মহাসত্বা মম পূর্ব্বপিতামহাঃ। দ্রৌপদী ধর্ম্মপত্নী চ কথং তানন্ববর্ত্তত ।।২।।
কথঞ্চ পঞ্চ কৃষ্ণায়ামেকস্যাং তে নরাধিপাঃ। বর্ত্তমানা মহাভাগা নাভিদ্যন্ত পরস্পরম্ ।।৩।।
শ্রোতুমিচ্ছাম্যহং সর্ব্বং বিস্তরেণ তপোধন।। তেষাং চেষ্টিতমন্যোন্যং যুক্তানাং কৃষ্ণয়া সহ ।।৪।।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ধৃতরাষ্ট্রাভ্যনুজ্ঞাতাঃ কৃষ্ণয়া সহ পাণ্ডবাঃ। রেমিরে খাণ্ডবপ্রস্থে প্রাপ্তরাজ্যাঃ পরন্তপাঃ ।।২।।
প্রাপ্য রাজ্যং মহাতেজাঃ সত্যসন্ধো যুধিষ্ঠিরঃ। পালয়ামাস ধর্ম্মেণ পৃথিবীং ভ্রাতৃভিঃ সহ ।।৬।।
জিতারয়ো মহাপ্রাজ্ঞাঃ সত্যধর্ম্মপরায়ণাঃ। মুদং পরমিকাং প্রাপ্তাস্তত্রোষুঃ পাণ্ডুনন্দনাঃ ।।৭।।
কুর্ব্বাণাঃ পৌরকার্য্যাণি সর্ব্বাণি পুরুষর্ষভাঃ। আসাঞ্চক্রুর্মহার্হেষু পার্থিবেষ্বাসনেষু চ ।।৮।।

জনমেজয়না হায়—হে তপ কল্লবা। পুকচেল চাওরবা পাণ্ডবশিংনা লৈপাক ফংলবা, শেমলবা মতুং অসিদা করি করি তৌখিবা? ।।১।। ঐগী ইবুধৌশিং অহুদি লোইনা শক্তি লৈবা মীমক্তনি, দ্রৌপদী মথন্তা মখোয় মঙাগী ধর্ম্মপত্নী ওইহনা মখোয়পুম্বগী পুক্লিংবু করম হায়না অমগা অমগা কল্লক্রবা সুংঙাইনদবা পুক্লিংবু ফায়না থমখিবগে ।।২।। অহুগা মতৌ করম্নসু মখোয়মকনা অমতা ওইবী দ্রৌপদীদা পুক্লিং চংহনা লৈরগা অমগা অমগা খৎন চৈনদনা মতম লেনখিবগে? ।।৩।। তপ কল্লবা মুনিদেব! অমতা ওাইবী দ্রৌপদী কৌবী লোযনবীতুগা লৈমিন-খোৎমিন্নখিবা মখোয় মঙ্গহুগী অমগা অমগা চৎনখিবা নিয়ম ব্যবহার ময়াম অহ মথংশিংনা কোইনা তাজনীংঙি ।।৪।। বৈশম্পায়ননা হায়—মহারাজ! পাণ্ডবশিংনা ধৃতরাষ্ট্রগী য়াথং মতুংইন্না লৈপাক ফংহনা, ইন্দ্রপ্রস্থদা লৈহুনা দ্রৌপদীগা লোযননা সুংঙাইনা মতম লেনবা হৌরক্নে ।।৫।। তেজ লৈরবা বাশক চেৎলবা যুধিষ্ঠিরনা লৈপাক ফংলহুনা মনাওশিংগা লোয়ননা ধর্ম্ম অমসুং রাজনীতিগী মতুংইন্না নিংথৌ ওইহনা লৈপাক ভাকপা হৌরক্নে ।।৬।। শিংলবা, অমদি ধর্ম্ম চেল্লবা পাণ্ডবশিংনা, অপাম্ব অশাওবনচিংবা পুক্লিংগী য়েকনবপুম্বা জয় তৌহুনা, য়ামনা সুংঙাইনা ইন্দ্রপ্রস্থদা লৈখি ।।৭।। মখোয় পুম্নমক, লৈপাক নগর অহ ভাকপগী থবক পুম্বা পাংথোক্তুনা মাগী মাগী মমল য়ামলবা মগুণ লৈরবা, অচৌবা

অথ তেষূপবিষ্টেষু সর্ব্বেষ্বেব মহাত্মসু। নারদস্ত্বথ দেবর্ষিরাজগাম যদৃচ্ছয়া ॥৯॥
আসনং রুচিরং তস্মৈ প্রদদৌ স্বং যুধিষ্ঠিরঃ। কৃষ্ণাজিনোত্তরে তস্মিন্নুপবিষ্টো মহানৃষিঃ ॥১০॥
দেবর্ষেরুপবিষ্টস্য স্বয়মর্ঘ্যং যথাবিধি। প্রাদাদ্ যুধিষ্ঠিরো ধীমান্ রাজ্যং তস্মৈ ন্যবেদয়ৎ ॥১১॥
প্রতিগৃহ্য তু তাং পূজামৃষিঃ প্রীতমনাস্তদা। আশীর্ভির্বর্দ্ধয়িত্বা চ তমুবাচাস্যতামিতি ॥১২॥
নিষসাদাভ্যনুজ্ঞাতস্ততো রাজা যুধিষ্ঠিরঃ। কথয়ামাস কৃষ্ণায়ৈ ভগবন্তমুপস্থিতম্ ॥১৩॥
শ্রুত্বৈতদ্ দ্রৌপদী চাপি শুচির্ভূত্বা সমাহিতা। জগাম তত্র যত্রাস্তে নারদঃ পাণ্ডবৈঃ সহ ॥১৪॥
তস্যাভিবাদ্য চরণৌ দেবর্ষের্ধর্ম্মচারিণী। কৃতাঞ্জলিঃ সুসংবীতা স্থিতাথ দ্রুপদাত্মজা ॥১৫॥
তস্যাশ্চাপি স ধর্ম্মাত্মা সত্যবাগৃষিসত্তমঃ। আশিষো বিবিধাঃ প্রোচ্য রাজপুত্র্যাস্তু নারদঃ
গম্যতামিতি হোবাচ ভগবাংস্তামনিন্দিতাম্ ॥১৬॥

গতায়ামথ কৃষ্ণায়াং যুধিষ্ঠিরপুরোগমান্। বিবিক্তে পাণ্ডবান্ সর্ব্বানুবাচ ভগবানৃষিঃ ॥১৭॥
পাঞ্চালী ভবতামেকা ধর্ম্মপত্নী যশস্বিনী। যথা বো নাত্র ভেদঃ স্যাত্তথা নীতির্বিধীয়তাম্ ॥
সুন্দোপসুন্দৌ হি পুরা ভ্রাতরৌ সহিতাবুভৌ। আস্তামবধ্যাবন্যেষাং ত্রিষু লোকেষু বিশ্রুতৌ ॥১৯॥

নিংথৌ মচাশিংনা ফমগদবা আসনদা ফমহনা লৈখি ॥৮॥ অদুগী মতুংদা, নোংম, পুকচেল চাওরবা পাণ্ডবশিংনা, মাগী মাগী আসন থক্ত ফমদুনা লৈরিঙৈ মতমদা, দেবর্ষি নারদ মুনিনা অসুম মনীংতম্না কোয়চৎ চৎলুবদগী ইন্দ্রপ্রস্থরোমদা লাকতুনা থুংলরে ॥৯॥ মতম অহুদা যুধিষ্ঠীরনা মহাক্কী নীংথিজরবা আসন অহু থাদোকই, মতম অদুদা নাবদনা মহাক্কী শজী মউন অহু আসন অদুগী মথক্তা থারগা ফমথখি ॥১০॥

নাবদনা ফমথখ্রবা তুং অসিদা যুধিষ্ঠিরনা মখুৎমক্রা পূজাগী পোংচৈ, চান থক্লবা, লৈশুনচিংবা দান তৌই, অদুগা ইন্দ্রপ্রস্থবু দান তৌজগে হায়না হায়জবকই ॥১১॥ নারদনা যুধিষ্ঠিরগী পূজা অহু হরাও হরাওনা লৌই, আশীর্ব্বাদ তৌদুনা "ফম্মু যম্মু" অসুম হায়না যুধিষ্ঠিরদা য়াথং পীখি ॥১২॥ অহুগী তুংদা নারদগী য়াথং ফংলদুনা যুধিষ্ঠিরনা ফমথখি, নারদ মুনি লেংলকই হায়দুনা দ্রৌপদীগী মফমদা পাও যৌহনখি ॥১৩॥ দ্রৌপদীসু পাও অসি তাবদা, তরু তরু তশেং-তশেংনা, অমসুং ভক্তিগা লোয়ননা, নারদনা পাণ্ডবশিংগা লোযননা ফমদুনা লৈরিবা মফম অহুদা লাক্তুনা থুংলরে ॥১৪॥

ধর্ম্ম চেল্লবী, দ্রৌপদীনা মফম অদুদা লাক্লগা,
নারদ মুনিগী চরণ অনী শোক্ল, খুকুমজরে হায়রগা, খুবাং তরা লোম্নদুনা,
মকোক মক্ল খুমদুনা, নারদগী মমাংদা চপ্ লেপ্লুনা লৈখিদো ॥১৫॥

মতম অদুদা ধর্ম্ম চেল্লবা, অচুম্বতা ঙাংলবা, নারদনা দ্রৌপদীদা হন্না হন্না আশীর্ব্বাদ তৌরগা "ইবেম্মা! নং চৎপা য়াবনি" অসুম হায়না য়াথং পীরকই ॥১৬॥ দ্রৌপদীনা তুমিন্না চৎখ্রবা অসিগী তুংদা অতে কনা অতোপ্প অম লৈত্রবদা নারদনা যুধিষ্ঠীরনচিংবা পাণ্ডবশিংদা হায়রকই— ॥১৭॥ যুধিষ্ঠীর! নখোয় মতাগী লোয়নবী ওইবিবীদি দ্রৌপদী মথন্তনিদো, অদুনা মহাক্কী দমক্ত নখোয় মশেল অমগা অমগা পূক্নিং শেংনদবা, থৎন চৈনবা তেৌদনবা নিয়ম অম তৌ ॥১৮॥ মরমদি, মমাংদৈদা

একরাজ্যাবেকগৃহাবেকশয্যাসনাশনৌ। তিলোত্তমায়াস্তৌ হেতোরন্যোন্যমভিজঘ্নতুঃ ॥২০॥

রক্ষ্যতাং সৌহৃদং তস্মাদন্যোন্যপ্রীতিভাবকম্। যথা বো নাত্র ভেদঃ স্যাত্তৎ কুরুষ যুধিষ্ঠির ॥২১॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

সুন্দোপসুন্দাবসুরৌ কস্য পুত্রৌ মহামুনে। উৎপন্নশ্চ কথং ভেদঃ কথঞ্চান্যোন্যমঘ্নতাম্ ॥২২॥

অপ্সরা দেবকন্যা বা কস্য চৈষা তিলোত্তমা। যস্যাঃ কামেন সম্মত্তৌ জঘ্নতুস্তৌ পরস্পরম্ ॥২৩॥

এতৎ সর্ব্বং যথাবৃত্তং বিস্তরেণ তপোধন। শ্রোতুমিচ্ছামহে ব্রহ্মন্ পরং কৌতূহলং হি নঃ ॥২৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বিদুরা-
গমনরাজ্যলাভে যুধিষ্ঠিরনারদসংবাদে একাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—(০)—

মরোল অহুমদা ফাওরবা সুন্দ উপসুন্দ কৌবা মচীন মনাও অনী লৈরম্মি। মখোয় অনী অসি রাজ্য মুংশিননা পুন্নপা লৈমিন্নৈ অহগা অতে অমনা হাৎপা য়াত্রবা মীশক ওইনা লৈরম্মি ॥১৯॥ মখোয়গী লৈপাক অমতনি, য়ুম অমতনি, ফমুং অমতনি, ফমফম অমতদা ফম্মিন্নৈ, চামিন্নৈ, থকমিন্নৈ। অদুগুম য়োঁনা, মুংশিননা লৈমিন্নখ্রবা মচীন মনাও অনীদো, তিলোত্তমাগী হায়ক্তগী অমনা অমবু হাৎনহনা শিনখি ॥২০॥ মরম অদুনা নখোয় মশেল অমগা অমগা মচীন মনাও পোকমিন্নবগী মুংশিনবা অদু কায়নদনবা তৌ, নখোয়গী মরক্তা অমগা অমগা মুংঙাইনদবা, পুকচেল তিন্নরক্তবা অদু থোকতনবা তৌ ॥২১॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়— মহর্ষি! সুন্দ উপসুন্দ হায়রিবসি কনাগী মচানো? করম তৌনা মখোয় অনী কায়নখিবগে? অদুগা করিগী দমক্তা মখোয় অনী অমগা অমগা হাৎনখিব্রবনো? ॥২২॥ তিলোত্তমা হায়রিবীসিবু অপ্সরা রা? নত্রগা স্বর্গগী লাইগী মচানুপী রা? মহাক্কী দমক্তা অপাম মুংশিগী য়াথঙ্গা ভাওরবা- সুন্দ উপসুন্দ কৌবা অনীনা অমগা অমগা হাৎনহনা শিনখিব্রবা তিলোত্তমা হায়বীসিবু কনাগী মথা পোনবীনো? ॥২৩॥ তপস্বী! য়ারী পুম্নমক অসে, মথং মনাও নাইনা য়াক্তনা তাজনীংঙি। কারণনা হায়বদা, ঐখোয় পুম্বা মাশি তানীংবগী মুংঙাইবা মীতৌবা অম পোক্রে ॥২৪॥

মস্তাং অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা "বিদুরাগমন রাজ্যলাভ"গী যুধিষ্ঠিরনারদসংবাদগী চনীগা অমা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(✱):——

শ্রীমহাভারতম্

(সুন্দ উপসুন্দগী ৱারী)

(চনি অনি শুবা অধ্যায়)

—:(†):—

নারদ উবাচ।

শৃণু মে বিস্তরেণেমমিতিহাসং পুরাতনম্। ভ্রাতৃভিঃ সহিতঃ পার্থ! যথাবৃত্তং যুধিষ্ঠির! ॥১॥
মহাসুরস্যান্ববায়ে হিরণ্যকশিপো পুরা। নিকুম্ভো নাম দৈত্যেন্দ্রস্তেজস্বী বলবানভূৎ ॥২॥
তস্যপুত্রৌ মহাবীর্য্যৌ জাতৌ ভীমপরাক্রমৌ। সুন্দোপসুন্দৌ দৈত্যেন্দ্রৌ দারুণৌ ক্রূরমানসৌ ॥৩॥
তাবেকনিশ্চয়ৌ দৈত্যাবেককার্য্যার্থসম্মতৌ। নিরন্তরমবর্ত্তেতাং সমদুঃখসুখাবুভৌ ॥৪॥
বিনান্যোন্যং ন ভুঞ্জাতে বিনান্যোন্যং ন গচ্ছতঃ। অন্যোন্যস্য প্রিয়করাবন্যোন্যস্য প্রিয়ংবদৌ ॥৫॥
একশীলসমাচারৌ দ্বিধৈবৈকোঽভবৎ কৃতঃ। তৌ বিবৃদ্ধৌ মহাবীর্য্যৌ কার্য্যেষ্বপ্যেকনিশ্চয়ৌ ॥৬॥
ত্রৈলোক্যবিজয়ার্থায় সমাধায়ৈকনিশ্চয়ৌ। দীক্ষাং কৃত্বা গতৌ বিন্ধ্যং তাবুগ্রং তেপতুস্তপঃ ॥৭॥
তৌ তু দীর্ঘেণ কালেন তপোযুক্তৌ বভূবতুঃ। ক্ষুৎপিপাসাপরিশ্রান্তৌ জটাবল্কলধারিণৌ ॥৮॥

নারদনা হাযখি—যুধিষ্ঠীর! ননাওশিং অসিগা লোয়ননা মমাংঙৈগী কুইরবা ৱারী অসি ঐঙোন্দগী ঙসি শন্দোকনা মথং নমাও কায়দনা তাও ॥১॥ মমাংঙৈদা, মহাসুর ওইবা হিবণ্যকশিপুগী বংশদা তেজ লৈরবা কল্লবা নিবুম্ভ হায়না কৌবা চাওরবা দৈত্য অমা পোকখি ॥২॥ হায়রিবা নিকুম্ভ হায়বা মহাদৈত্য অসিগী শুন্দ, উপাসুন্দ কৌবা মচা অনি পোক্লম্মী, মখোয় অনী অসি য়াম্না কল্লি, অকিবা ফংনা মপাঙ্গল মথৌনা লৈ, অকিবা ফংলবা লমচৎ ব্যবহারনা মখোয় অনিগী ওই অমসুং তমথিরবা থমোইনা মখোয় অনিগী ওইবা দৈত্যশি ॥৩॥ মখোয অনী অসি মতম লৈবা খিবিক্কা তৌগদৌবা থবক অমতদা লেপনইনা তৌমিন্নৈ, থবক অমত্তদা ইয়া য়াম্মিন্নৈ, মখোয় অনীমক ৱারে ৱাম্নৈ, শুংঙায়রে শুংঙায়মিন্নৈ ॥৪॥ মখোয় অনী তিন্নদনা করিগুম্বা পোৎ অমতা চাদে করিগুম্বা মফম অমদসু চৎপতৌদে অমগী কান্নবা থবক অনী চংতনা তৌমিন্নৈ শুংশিবা অথুম্বা ৱাঙাংদা ঙাংনৈ ॥৫॥ মখোয় অনীগী লমচৎ ব্যবহার অমতনি চপমান্নৈ বিধাতানা অমতবু অনীথোকনা শেমখিবনি থবক অমতদা মত মান্নমিন্নৈনা কল্লবা সুন্দ, উপাসুন্দ কৌবা অনী অসে নোংম-মোংমগী চপমান্ননা চাউমিন্নরক্রে ॥৬॥ অদুগী তুংদা মখোয় অনি তিন্নদুনা সংসার পূমনমক দিগ্‌বিজয় তৌগে হায়দুনা ৱাখল অমতা লেপনদুনা থবক অসিদা দীক্ষা লৌখি, বিন্ধ্যাচলদা চৎখিদুনা অকনবা তপস্য তৌমিন্নখি ॥৭॥ মখোয়মক অথা পুদুনা উকু শেত্‌লনা, চাদ-থক্তবগী অৱাৎ থৌরাংবদা অৱাবা খাংমিন্নদুনা মতম কুইনা তপস্যা তৌরকপগী মতিক মগুণ শক্তি অদু

মলোপচিতসর্ব্বাঙ্গৌ বায়ুভক্ষৌ বভূবতুঃ। আত্মমাংসানি জুহ্বন্তৌ পাদঙ্গুষ্ঠাগ্রবিষ্ঠিতৌ।
ঊর্দ্ধবাহূ চানিমিষৌ দীর্ঘকালং ধৃতব্রতৌ ॥৯॥
তয়োস্তপঃপ্রভাবেণ দীর্ঘকালং প্রতাপিতঃ। ধূমং প্রমুমুচে বিন্ধ্যস্তদদ্ভুতমিবাভবৎ ॥১০॥
ততো দেবা ভয়ং জগ্মুরুগ্রং দৃষ্ট্বা তয়োস্তপঃ। তপোবিঘাতার্থমথো দেবা বিঘ্নানি চক্রিরে ॥১১॥
রত্নৈঃ প্রলোভয়ামাসুঃ স্ত্রীভিশ্চোভৌ পুনঃ পুনঃ। ন চ তৌ চক্রতুর্ভঙ্গং ব্রতস্য সুমহাব্রতৌ ॥১২॥
অথ মায়াং পুনর্দেবাস্তয়োশ্চক্রুর্মহাত্মনোঃ। ভগিন্যো মাতরো ভার্য্যাস্তয়োঃ পরিজনস্তথা ॥১৩॥
প্রপাত্যমানা বিস্রস্তাঃ শূলহস্তেন রক্ষসা। ভ্রষ্টাভরণকেশান্তা একান্তভ্রষ্টবাসসঃ ॥১৪॥
অভিভাষ্য ততঃ সর্বস্তৌ ত্রাহীতি বিচুক্রুশুঃ। ন চ তৌ চক্রতুর্ভঙ্গং ব্রতস্য সুমহাব্রতৌ ॥১৫॥
যদা ক্ষোভং নোপযাতি নার্ত্তিমন্যতরস্তয়োঃ ততঃ স্ত্রিয়স্তা ভূতঞ্চ সর্বমন্তরধীয়ত ॥১৬॥
ততঃ পিতামহঃ সাক্ষাদভিগম্য মহাসুরৌ। বরেণ চ্ছন্দয়ামাস সর্বলোকহিতঃ প্রভুঃ ॥১৭॥
ততঃ সুন্দোপসুন্দৌ তৌ ভ্রাতরৌ দৃঢবিক্রমৌ দৃষ্ট্বা পিতামহং দেবং তস্থতুঃ প্রাঞ্জলী তদা ॥১৮॥

ল'ক্লে ॥৮॥ মখোয অনিমক মুংশিত্তা চাহুনা, মখোয অনিগী মশাতনা হোম তৌহুনা, খোংবীগী খোংদোনতনা লৈপাক্লা লেপতুনা লৈরগা খুৎ অনী ৱাংনা থাঙজত্নুনা মিৎকুপ্তনা মতম কুইনা তপস্যা তৌখি, মখোয় অনীগী হকচাং অদু উফুল-ৱাইফুলতনা পুমযোম য়োমখ্রে ॥৯॥ মখোয় অনীগী তপস্যাগী মতম কুইরবা তেজনা চাকখেল্লক্নুনা বিন্ধ্যচীংজাউ অসি মৈ 'হৌহুনা মৈখু ভাক্লা ভায়রে খৌদোক অসে অঙকপগী মশক ফংখ্রে ॥১০॥

অসিগী তুংদা, মখোয় অনীগী অকিবগী মশক ওইরবা তপস্যা অসি উবদা দেবতা পুন্নমক কিবনা থক থক নীকখ্রে। মরম অদুনা দেবতাশিংনা মখোয় অনীগী তপস্যা অদু কায়ননবা য়ৈথায়বা মখল মখল পীবা হৌরক্লে ॥১১॥ দেবতশিংনা মখল মখা অয়াম্বা হীরা, মণি মুক্তা, শনা লুপা, মথোং কায়কপী যুবতি অমদি কন্যা কয়া উত্তুনা মিহৌহন্দুনা মখোয়নীগী তপস্যা অদু থুগাইনবা হোৎনরকই, অদুবু অকনবা তপস্বী ওইখ্রবনি হায়রুনা মখোয়না তপস্যা অদু কায়হনখিদ্রে ॥১২॥ অদুগী তুংদা দেবতাশিংনা মখোয়গী মথক্তা মায়া তৌব হৌরক্লে, মথুত্তা তা পায়ব হিংচাবা অমনা মখোয়গী মমা, মচন মচে, মতু, মীনায় মুপীনচিংবা পুন্নমকপু পুরক্নুনা মখোয়গী মমাংদা মফী মরোল য়াওহন্দহুনা ফুবা হৌরক্লে সুপীশিং অদুগী মশম মনাগী লৈতেং লীক কোয়চিংব হীক্তোক্লুনা লৈমায়দা তাখি, মখোয়সু লৈমায়দা থরো থরো ওন্দুনা লৈখি ॥১৩—১৪॥ মুপী নহা ময়াম অদুনা অবস্থা অসিদা সুন্দ উপসুন্দ অনীবু কৌরহুনা "এখোয়বু কনবিয়ু কনবিয়ু" হায়না খোঞ্জেল য়াংন লাওরকই। অদু ফাওবদা মখোয় অনীনা তপস্যা অদু কায়হনখিদ্রে ॥১৫॥ মখোয় অনীগী মমক্তা অমতসু খৌদোক অদুদা করিমতা ৱাবিখিদ্রে, করিমতা মিপাই লাংতক্লখিদ্রে, অদুদগীদি হিংচাবা অদুসু সুপীশিং অহুসু মিকুপ অমদা মাংথোকখ্রে ॥১৬॥ অদুদগী, মখোয় অনীগী মফমদ চংখিহুনা "নখোয় অনীনা পাম্ব বর পীগনি" হায়হুনা মখোয় অনীবু তপস্য তৌদনবা লোক পুন্নমক্কী কানবত্তা থবা পিতামহ ব্রহ্মানা, পেলাহনুরে ॥১৭॥ অদুদগী তপস্যাদা থোইনা মখোনা পাজল লৈরবা সুন্দ

উচতুশ্চ প্রভুং দেবং ততস্তৌ সহিতৌ তদা। আবয়োস্তপসানেন যদি প্রীতঃ পিতামহঃ ॥১৯॥
মায়াবিদাবস্ত্রবিদৌ বলিনৌ কামরূপিণৌ। উভাবপ্যমরৌ স্যাব প্রসন্নো যদি নৌ প্রভুঃ ॥২০।

ব্রহ্মোবাচ।

ঋতেঽমরত্বং যুবয়োঃ সর্ব্বমুক্তং ভবিষ্যতি। অন্যদ্‌বৃণীতং মৃত্যোশ্চ বিধানমমরৈঃ সমম্ ॥২১॥
প্রভবিষ্যাব ইতি যন্মহদভ্যুদ্যতং তপঃ। যুবয়োর্হেতুনাঽনেন নামরত্বং বিধীয়তে ॥২২॥
ত্রৈলোক্যবিজয়ার্থায় ভবদ্ভ্যামাস্থিতং তপঃ। হেতুনানেন দৈত্যেন্দ্রৌ ! ন বাং কামং করোম্যহম্ ॥২৩।

সুন্দোপসুন্দাবূচতুঃ।

ত্রিষু লোকেষু যদ্ভূতং কিঞ্চিৎ স্থাবরজঙ্গমম্। সর্ব্বস্মান্নৌ ভয়ং ন স্যাদৃতেঽন্যোন্যং পিতামহ ! ॥২৪॥

ব্রহ্মোবাচ।

যৎ প্রার্থিতং যথোক্তঞ্চ কামমেতদ্দদানি বাম্। মৃত্যোর্বিধানমেতচ্চ যথাবদ্বাং ভবিষ্যতি ॥২৫॥

নারদ উবাচ।

ততঃ পিতামহো দত্ত্বা বরমেতত্তদা তয়োঃ। নিবর্ত্ত্য তপসস্তৌ চ ব্রহ্মলোকং জগাম হ ॥২৬॥
লব্ধ্বা বরাণি দৈত্যেন্দ্রাবথ তৌ ভ্রাতরাবুভৌ। অবধ্যৌ সর্ব্বলোকস্য স্বমেব ভবনং গতৌ ॥২৭॥
তৌ তু লব্ধবরৌ দৃষ্ট্বা কৃতকামৌ মনস্বিনৌ। সর্ব্বঃ সুহৃজ্জনস্তাভ্যাং প্রহর্ষমুপজগ্মিবান্ ॥২৮॥

উপসুন্দ মচীন মনাও অনীনা ব্রহ্মাবু উবদা মথুং লোম্নতুনা তুমিন্ন লৈ ॥১৮॥ অদুগী তুংদা, মখোয় অনী পুল্লপা ব্রা অসি ব্রহ্মাদা হায়খি—"ঐখোয় অনীগী তপস্যা অসিদা পিতামহনা পেনবিরবদি ঐখোয় অনীমকপু মায়া হৈবা, খুৎলায় হৈবা, পাঙ্গলকনবা, লৌনীংব শকওংত লৌবগ্বা, অদুগা শিদব বর পীনবিরম্মু" ॥১৯—২০॥ ব্রহ্মানা হায়বকই— অমর ওইবসি নত্তবা অতৈ অতোপ্পা নখোয়না হায়রিবা পুম্বা শোযদনা ফংগনি। অদুনা "শিদবা" হায়বসি নত্তবা দেবতাশিংগীগা মান্নবা অতৈ তৌব ওম্বা শক্তি পুন্নমক নিবা য়াগনি ॥২১॥ 'মরোল অদুম অসিগী মপু ওইগে" হায়বা ব্রাখল অসিদা নখোয় অনীনা তপস্যা তৌখিবনিনা, নখোয়দা "শিব লৈতবা" হায়বা বর অতুদি পীররোই ॥২২॥

নখোয়না মরোল অহুম্মু জয় তৌগে হায়না তপস্যা তৌরবনিনা নখোয়না পাম্নবা অমর ওইবা হায়বদি পীররোই ॥২৩॥ সুন্দ উপসুন্দ অনীনা হায়রকই—"পিতামহ! মরোল অহুম অসিগী মনুংদা, অচৎ চঙ লৈরিবা, থন্নাই পানবা হায়দুনা হেক লৈরিবা জীবশিং অসিগী মনুংদা, ঐখোয় অনিসিদি নত্তনা কনাগুম্বা অমতনা ঐখোয়বু কিহনবা হাৎপা ঙমদবা" বর অসি পীনবিয়ু ॥২৫॥ ব্রহ্মানা হায়রকই—নখোয়না নীরিবা অদুদি নখোয়গী তপস্যা অসিগী মতিক চপচাবা হায়বদুদি ওইরবনি, অদুগা নখোয় অনিগী শিবা হায়বদুদি নখোয়না হায়জখিব্রা অদুগী মতুংইন্না ওইগনি ॥২৫॥ নারদনা হায়—তাও যুধিষ্ঠির! অসিগুম্বা ব্রাহৈনা বর পীরম্নগা, মখোয় অনী অদুগী তপ তৌবদুদু তোকহল্লগা ব্রহ্মানা ব্রহ্মলোকতা চৎখি ॥২৬॥ দৈত্য অখোইবা মচীমনাও অনিসি বর ফংলদুনা জগৎপুম্বদা হাৎপিনীংঙাই লৈত্রদুনা মযুমদা চৎখি ॥২৭॥ মখোয় বর ফংদুনা নীংবা পুংদুনা হাত্রে হায়বসি তাবদা, মখোয়গী শাগৈনাইতে মরূপ মপাং পুম্বনা থোইদোকনা নুংঙাইখি

ততস্তৌ তু জটাং ভিত্ত্বা মৌলিনৌ সংবভূবতুঃ। মহার্হাভরণোপেতৌ বিরজোঽম্বরধারিণৌ ॥২৯॥
অকালকৌমুদীঞ্চৈব চক্রতুঃ সার্ব্বকালিকীম্। নিত্যপ্রমুদিতঃ সর্ব্বস্তয়োশ্চৈব সুহৃজ্জনঃ ॥৩০॥
ভক্ষ্যতাং ভুজ্যতাং নিত্যং দীয়তাং রম্যতামিতি। গীয়তাং পীয়তাঞ্চেতি শব্দশ্চাসীদ্গৃহে গৃহে ॥৩১॥
তত্র তত্র মহানাদৈরুৎকৃষ্টতলনাদিতৈঃ। হৃষ্টং প্রমুদিতং সর্ব্বং দৈত্যানামভবৎ পুরম্ ॥৩২॥
তৈস্তৈর্বিহারৈর্ব্বহূনাং কামরূপিণাম্। সমাঃ সংক্রীড়তাং তেষামহরেকমিবাভবৎ ॥৩৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বিদুরা-
গমনরাজ্যলাভে সুন্দোপসুন্দোপাখ্যানে দ্ব্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০):—

অমদি হরাওখি ॥২৮॥ অদুগী তুংদা, মথোয় অনীমক মকোক্ত পুল্লিবা জটা অদু থোক্লে, মশমমনা নীংথিনা হাম্নগুম্না হাক্লোক্লে, মমল য়ামলবা ফজরবা ফীজোল শেৎকৎলে, লীককোল লৈতংনা নীংথিজখ্রে ॥২৯॥ পুর্ণিমাগী থাবলবু তত্তনা লেংদনা থমখ্রে। মাতুদা মথোয়গী মরূপ মপাং শাগে নাতৈ লোইনা নুংঙাইখ্রে ॥৩০॥ মথোয় অনীগী লৈপাক্ত, য়ুমথোং খুদিংদা "চাও" "থকউ" "পীথোকখ্রে" "লোবিয়ু" "শকউ" "নুঙাইনা" "লৈথোকউ" অসিগুম্বা ৱাহৈমক্তা তানখরে ॥৩১॥ মথোয় অনীগী লৈপাক অদুদা, হেক লৈরিবা মফম মফম খুদিংদা, নুঙাইব হরাও তয়াম্বগী খোঞ্জেল, অমগা অমগা হরাও কুম্মৈ তৌনবগী খোল্লাওনা নুংঙাইবগী মীয়াম তিনবগী তিনবা থুবাক মথোম, দৈত্যনগর অদু পুমনীন নিনখরে; মাশিনা করি থংবগে হায়রবু দৈত্যপুর অসিদা লৈরিবা মীপুম্নমক অৱা অমা থংদনা হরাও কুম্মৈ তৌদুনতা লৈবা জাৎ অমা ওইরবোরে হায়না থংনখি ॥৩২॥ তৌমীংবতা তৌরবা দৈত্যশিংনা মতৌ অস্তুমনা নুংঙাইনা লৈরকপসিনা চহী কয়াবু মথল মথা অয়াম্বা হরাও কুম্মৈতনা, নোংমতগুম লেনখি ॥৩৩॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বাদা বিদুরাগমন রাজ্যলাভগী মনুংদা সুন্দ-উপসুন্দগী মতাংদা চানীগা অনি শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্।

(সুন্দ উপসুন্দগী ৱারী)

(চনি অহুম শুবা অধ্যায়)

—:(•):—

নারদ উবাচ।

উৎসবে বৃত্তমাত্রে তু ত্রৈলোক্যাকাঙ্ক্ষিণাবুভৌ। মন্ত্রয়িত্বা ততঃ সেনাং তাবাজ্ঞাপয়তাং তদা ॥১॥
সুহৃদ্ভিরপ্যনুজ্ঞাতৌ দৈত্যৈর্বৃদ্ধৈশ্চ মন্ত্রিভিঃ। কৃত্বা প্রাস্থানিকং রাত্রৌ মঘাসু যযতুস্তদা ॥২॥
গদাপট্টিশধারিণ্যা শূলমুদ্গরহস্তয়া প্রস্থিতৌ সহ ধর্ম্মিণ্যা মহত্যা দৈত্যসেনয়া ॥৩॥
মঙ্গলৈঃ স্তুতিভিশ্চাপি বিজয়প্রতিসংহিতৈঃ। চারণৈঃ স্তূয়মানৌ তৌ জগ্মতুঃ পরয়া মুদা ॥৪॥
তাবন্তরীক্ষমুৎপ্লুত্য দৈত্যৌ কামগমাবুভৌ। দেবানামেব ভবনং জগ্মতুর্যুদ্ধদুর্ম্মদৌ ॥৫॥
তয়োরাগমনং জ্ঞাত্বা বরদানঞ্চ তৎ প্রভোঃ। হিত্বা ত্রিপিষ্টপং জগ্মুর্ব্রহ্মলোকং ততঃ সুরাঃ ॥৬॥
তাবিন্দ্রলোকং নির্জ্জিত্য যক্ষরক্ষোগণাংস্তথা। খেচরাণ্যপি ভূতানি জগ্মতুস্তীব্রবিক্রমৌ ॥৭॥
অন্তর্ভূমিগতান্ নাগান্ জিত্বা তৌ চ মহারথৌ। সমুদ্রবাসিনীঃ সর্ব্বা ম্লেচ্ছজাতীর্বিজিগ্যতুঃ ॥৮॥
ততঃ সর্ব্বাং মহীং জেতুমারব্ধাবুগ্রশাসনৌ। সৈনিকাংশ্চ সমাহূয় সুতীক্ষ্ণং বাক্যমূচতুঃ ॥৯॥

নারদনা হায়খি— উৎসব অদু হেক লোইবামক্তদা সুন্দ অমসুং উপসুন্দ অনীনা মন্ত্রনা তোরগা মরোন অহুমবু জয় তৌনিংহনা লাম্নিশিং শেম শাননবগী য়াথং পীখি ॥১॥ অদুগী তুংদা মরূপ মপাং অমদি মন্ত্রীশিংগা য়ানরহনা যাত্রাগী মতমগী হোনবী থবক পুম্নমক তোরগা অহিংদা মঘা নক্ষত্রদা যাত্রা তোরকই ॥২॥ অদুগী তুংদা গদা, তা, মুংশূক, শীংজংময়া শাবা, খুৎলাই পায়বা অমসুং লানগী য়োৎকী ফুরিৎ লিৎপা লাম্নিনা থল্লবা দৈত্যগী তেংগোনগা লোয়নননা সুন্দ উপসুন্দ অনীসি মরোন অহুম জয় তৌগে হায়না থোরক্লে ॥৩॥ মতম অসিদা স্তুতি পাঠ তৌবাশিংনা জয় ওইনবা হায়তুনা মখোয় অনীগী দমক্তা স্তুতি পাঠ তৌরক্লি, মন্ত্র যন্ত্র থিরক্লি, অবস্থা অসিদা মখোয় অনীমক সুংঙায়না থোরক্লি ॥৪॥ অদুহোক নৈরগা লান্দা লাকওম ফাওমত্রবা য়োনিংবা লমদা য়োবা ওমলবা সুন্দ উপসুন্দ অনী অসি নোংমদোন থক্তা পায়থৎখি দেবলোক তাম্না চৎখি ॥৫॥ অদুগী তুংদা মখোয় অনী লাকপদু উবদা অমসুং ব্রহ্মানা পীখিবা বর দান অদু নিংশিংলক্লুনা দেবতাশিংনা স্বর্গলোক থাদোক্লুনা ব্রহ্মলোক্তা চৎখি ॥৬॥ মতম অদদা মতিক মগুণ চাউরবা মপাঙ্গন কল্লবা সুন্দ উপসুন্দ অনীনা স্বর্গলোক, যক্ষ ময়াম, হিংচাবা মপৈ অমসুং আকাশদা লৈবা জীব পুম্নমক মায়থিবা পিরমলগা চৎখি ॥৭॥ মখোয় অনীনা পাতালদা লৈবা লিল পুম্নমকপু জয় তৌদুনা সমুদ্র মপান্দা লৈবা ম্লেচ্ছ জাতী পুম্নমকপু জয় তৌখি ॥৮॥ অদুগী তুংদা মখোয় অনীনা অকিবগী মশক থংবা শাসনগী নিয়ম পুখোক্লুনা পৃথিবী পুম্নমক জয় তৌবা হৌগৎলকপা মতম অসিদা মহাক্কী লাম্নি

রাজর্ষয়ো মহাযজ্ঞৈর্হব্যকব্যৈর্দ্বিজাতয়ঃ। তেজো বলঞ্চ দেবানাং বর্দ্ধয়ন্তি শ্রিয়ং তথা ॥১০॥
তেষামেবং প্রবৃত্তানাং সর্বে যামসুরদ্বিষাম্। সম্ভূয় সর্বৈরস্মাভিঃ কার্য্যঃ সর্ব্বাত্মনা বধঃ ॥১১॥
এবং সর্ব্বান্ সমাদিশ্য পূর্ব্বতীরে মহোদধেঃ। ক্রূরাং মতিং সমাস্থায় জগ্মতুঃ সর্ব্বতোমুখৌ ॥১২॥
যজ্ঞৈর্যজন্তি যে কেচিদ্ যাজয়ন্তি চ যে দ্বিজাঃ। তান্ সর্ব্বান্ প্রসভং হত্বা বলিনৌ জগ্মতুস্ততঃ ॥১৩॥
আশ্রমেষ্বগ্নিহোত্রাণি মুনীনাং ভাবিতাত্মনাম্। গৃহীত্বা প্রক্ষিপন্ত্যপ্সু বিশ্রব্ধং সৈনিকাস্তয়োঃ ॥১৪॥
তপোধনৈশ্চ যে ক্রুদ্ধৈঃ শাপা উক্তা মহাত্মভিঃ। নাক্রামন্ত তয়োস্তেঽপি বরদাননিরাকৃতাঃ ॥১৫॥
নাক্রামন্ত যদা শাপা বাণা মুক্তাঃ শিলাস্বিব। নিয়মান্ সম্পরিত্যজ্য ব্যদ্রবন্ত দ্বিজাতয়ঃ ॥১৬॥
পৃথিব্যাং যে তপঃসিদ্ধা দান্তাঃ শমপরায়ণাঃ। তয়োর্ভয়াদ্দুদ্রুবুস্তে বৈনতেয়াদিবোরগাঃ ॥১৭॥
মথিতৈরাশ্রমৈর্ভগ্নৈর্বিকীর্ণকলশস্রুবৈঃ। শূন্যমাসীজ্জগৎ সর্ব্বং কালেনেব হতং তদা ॥১৮॥
রাজর্ষিভিরদৃশ্যদ্ভির্ঋষিভিশ্চ মহাসুরৌ। উভৌ বিনিশ্চয়ং কৃত্বা বিকুর্ব্বাতে বধৈষিণৌ ॥১৯॥
প্রভিন্নকরটৌ মত্তৌ ভূত্বা কুঞ্জররূপিণৌ। সংলীনমপি দুর্গেষু নিন্যতুর্যমসাদনম্ ॥২০॥

তেজোন ময়াম্বু কৌশিল্লগা তমথিরবা ব্বাসি হাযখি ॥৯॥ রাজর্ষিশিংনা মহাযজ্ঞ তৌদুনা, ব্রাহ্মণশিংনা হোম তৌবা য়াবা পোৎশক থিবিক্লা হোম-জপ তৌদুনা দেবতাশিংগী মতিক মগুণ মপাঙ্গল অমসুং লন থুম চাউখৎ হল্লম্মি ॥১০॥ মরম অদুনা মখোয় পুম্নমক তিন্নদুনা দৈত্য অমদি অসুরগী য়েংথিবা ওইরবা রাজর্ষিনাচিংবা পুম্নমক অসি গুম্বমথৈ হাৎপনা চুমই ॥১১॥ মতৌ অসুম তৌনা পুম্নমক্তা য়াথং পিরগা সুন্দ অমসুং উপসুন্দ অনীসি চাউরবা সমুদ্র অদুগী নোংপোক থংবা মপান্দা চৎখিদুনা মুংশি হৈত্রবা তমথিরবা বুদ্ধিনা মায়কৈ মরিমক্তা কোইচৎ চত্তুনা মখোয়না থোকপদা তৌরকলে, মনীং তম্না কোইচৎ চৎলকলে ॥১২॥ যজ্ঞ তৌরবা নিংথৌ রাজর্ষি পুম্নমক যজ্ঞ তৌহল্লম্মিবা ব্রাহ্মণ পুরোহিত পুম্নমক নমহুনা হাত্তোকলগা মফম অদুদগী চৎখি ॥১৩॥

অদুগা লাম্মিশিং অদুনা ইন্দ্রিয় খুদুম চল্লবা মুণিশিংগী আশ্রমদা চংখিদুনা মখোয়গী যজ্ঞ পূজাগী পোৎ পুম্নমক অম থোমজিন্দুনা পুখিদুনা অকিবা নৈতনা ইশিংদা থাদখরে ॥১৪॥ তপস্বীশিংনা শাউরদুনা মখোয় অনীদা শাপ তৌখরে, অদুবু ব্রহ্মাগী বর লৈবনা শাপশিং অদুনা মখোয় অনীদা করিমত্তা তৌবা ঙমখিদ্রে ॥১৫॥ চাউরবা শুংপাক্তা তেম্না থাকবগুমনা শাপশিং অদুনা মখোয় অনীদা করিমত্তা তৌরবা য়াখিদ্রে, মতম অদুদা ব্রাহ্মণশিংনা নিয়মগী থবক পুম্নমক হুন্দোক্লদুনা চেনখরে ॥১৬॥ পৃথিবীদা ইন্দ্রিয় খুদুমচল্লবা তপথকনচিংবা গুণনা তিল্লবা তপস্বীশিং অদুনা, গরুড়বু কিবদগী লিল মরাম্না চেনখিবগুম সুন্দ উপসুন্দ অনীবু উবাদগী কিদুনা চেনখি ॥১৭॥ মখোয়না মুণিশিংগী আশ্রমশিং অদুবু নৈথায়দুনা মফম অদুদগী চরু, নৈপরেং, হোম তৌননবা সোমরস, হবিষনচিংবা যজ্ঞগী পোৎচৈ পুম্নমক মাংহল্লখি। মাদুদা জগৎ পুম্নমক অসি কাল কৌবা লাইনা মাংহন্দুনা মায়কৈ মরিমক অসি পুমচিক চিকখিবগুম তৌখরে ॥ ১৮ ॥ রাজর্ষিশিং অমসুং মহর্ষিশিংনা মশক উখিদ্রবা অদুদা সুন্দ উপসুন্দ অনীনা মখোয়বু হাৎকে হায়দুনা মফম পুম্নমক্তা থিরক্লে ॥১৯॥ মখোয় অনীনা মচুম তারবা শামু অনীগী মশক তৌরদুনা অচীকপা মফমদা লোৎতুনা লৈজরিবা মখোয় অদুবু মপানদা মনাত্তোম্না চীংখোরক্তুনা হাৎখি ॥২০॥

সিংহৌ ভূত্বা পুনর্ব্যাঘ্রৌ পুনশ্চান্তর্হিতাবুভৌ। তৈস্তৈরুপায়ৈস্তৌ ক্রূরাবৃষীন্ দৃষ্ট্বা নিজঘ্নতুঃ ॥২১॥
নিবৃত্তযজ্ঞস্বাধ্যায়া প্রনষ্টনৃপতিদ্বিজা। উৎসন্নোৎসবযজ্ঞা চ বভূব বসুধা তদা ॥২২॥
হাহাভূতা ভয়ার্ত্তা চ নিবৃত্তবিপণাপণা। নিবৃত্তদেবকার্য্যা চ পুণ্যোদ্বাহবিবর্জিতা ॥২৩॥
নিবৃত্তকৃষিগোরক্ষা বিধ্বস্তনগরাশ্রমা। অস্থিকঙ্কালসঙ্কীর্ণা ভূর্বভূবোগ্রদর্শনা ॥২৪॥
নিবৃত্তপিতৃকার্য্যঞ্চ নির্বষট্কারমঙ্গলম্। জগৎ প্রতিভয়াকারং দুষ্প্রেক্ষ্যমভবত্তদা ॥২৫॥
চন্দ্রাদিত্যৌ গ্রহাস্তারা নক্ষত্রাণি দিবৌকসঃ। জগ্মুর্বিষাদং তৎ কর্ম্ম দৃষ্ট্বা সুন্দোপসুন্দয়োঃ ॥২৬॥
এবং সর্ব্বা দিশো দৈত্যৌ জিত্বা ক্রূরেণ কর্ম্মণা। নিঃসপত্নৌ কুরুক্ষেত্রে নিবেশমভিচক্রতুঃ ॥২৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বিদুরা-
গমনরাজ্যলাভে সুন্দোপসুন্দোপাখ্যানে ত্র্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—॰ * ঃ—

মরমচৎ থাববা সুন্দ উপসুন্দ অনীনা অমুক্তা নোংশা ওই অমুক্তা কৈ ওই, লুম্ম লুম্মতুনা অতোপ অতোপ্পা উপায়না তাম্ন তাম্নতুনা মুনিশিংবু হেক উব মথৈ হাৎলক্লে ॥২১॥ মতম অগদা পৃথিবীদা যজ্ঞ হাযবা, বেদ পাঠ হায়বা পুম্নমক পুমলেপ লেপখে, নিংথৌ অমদি ব্রাহ্মণ পুম্নমক মুৎথ,বদা উরিক নৌগুণ, লাইমিং লৌবনাচিংবা সংস্কার পুম্নমক পুম্মুৎ মুৎখ্রে ॥২২॥ মায়কৈ মরিমক্তা হা হাকার লাওনবক্লে, লেমহৌরিবা মী খর অহস্থ কিবনা থক থক নীক্তুনা মিহুন তাখিল্লে, কৈথেন্দা লৈবা যোনবগী থবক পুমলেপ লেপখ্রে, দেব কর্ম্ম পুম্নমক তোকখ্রে, বিবাহনচিংবা পুণ্য কর্ম্ম পুম্নমকসু লেপখ্রে, লৌউ শীংউবা যণ ইরোইনচিংবা ঙাক শেনবা লৈখিল্লে, নগর আশ্রমনচিংবা পুম্নমক কাংথোং চাইখ্রে, শক ঙাকনা থল্লবা পৃথিবী অসি সকিবগী মশক ফংলবা মূর্ত্তি লৌখ্রে ॥২৩—২৪॥ পিতৃ কর্ম্ম, মাতৃ তর্পণ লোযনা তোকখ্রে, অদুগা যজ্ঞ তৌবা ব্রাহ্মণশিংগী মরক্তা স্বাহা স্বধা বষট কারনচিংবগী খোঞ্জেল তাখিল্লে। মরম অদুনা জগৎ অসি অকিবগী মশক ওইখিল্লুনা ওনশিন্দুনা য়েংবা ঙমখিদরে ॥২৫॥ অসোমদা নুমিৎ, থা, অতোপ অতোপ্পা গ্রহ, সপ্তর্ষি অশ্বিনী নাচিংবা নক্ষত্র অমসুং দেবতা পুম্নমক্তা সুন্দ উপসুন্দ অনীগী থবক অসি উবদা থাবনা মায়থোং লাংশিনখ্রে ॥২৬॥ মতৌ অমুক্তা সুন্দ উপসুন্দ অনী অসিনা অসিগুম্বা ব্যবহার অসিনা পৃথিবী পুম্নমক জয় তৌদুনা য়েক্লবা অমতমক লৈহন্দবা কুরুক্ষেত্রদা কোন্নুং শেমখ্রে ॥২৭॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা বিদুরাগমনরাজ্য লাভগী মনুংদা সুন্দ উপসুন্দোপাখ্যানগী চনিগা অহুম শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—ঃ(॰)ঃ—

শ্রীমহাভারতম্

(সুন্দ উপসুন্দগী ৱারী)

(চনি মরি শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

নারদ উবাচ ।

ততো দেবর্ষয়ঃ সর্ব্বে সিদ্ধাশ্চ পরমর্ষয়ঃ । জগ্মুস্তদা পরামার্ত্তিং দৃষ্ট্বা তং কদনং মহৎ ।।১।।
তেঽভিজগ্মুর্জিতক্রোধা জিতাত্মানো জিতেন্দ্রিয়াঃ । পিতামহস্য ভবনং জগতঃ কৃপয়া তদা ।।২।।
ততো দদৃশুরাসীনং সহ দেবৈঃ পিতামহম্ । সিদ্ধৈর্ব্রহ্মর্ষিভিশ্চৈব সমন্তাৎ পরিবারিতম্ ।।৩।।
তত্র দেবো মহাদেবস্তত্রাগ্নির্বায়ুনা সহ । চন্দ্রাদিত্যৌ চ শুক্রশ্চ পারমেষ্ঠ্যাস্তথর্ষয়ঃ ।।৪।।
বৈখানসা বালখিল্যা বানপ্রস্থা মরীচিপাঃ । অজাশ্চৈবাবিমূঢ়াশ্চ তেজোগর্ভাস্তপস্বিনঃ ।
ঋষয়ঃ সর্ব্ব এবৈতে পিতামহমুপাগমন্ ।।৫।।
ততোঽভিগম্য তে দীনাঃ সর্ব্ব এব মহর্ষয়ঃ । সুন্দোপসুন্দয়োঃ কর্ম্ম সর্বমেব শশংসিরে ।।৬।।
যথা হৃতং যথা চৈব কৃতং যেন ক্রমেণ চ । ন্যবেদয়ংস্ততঃ সর্ব্বমখিলেন পিতামহে ।।৭।

নারদনা হায়খি— অদুগী তুংদা দেবর্ষি অমদি সিদ্ধি ওইরবা মহর্ষিশিংনা জগৎকী ওইরিবা নথা তাকম লৈতনা অকিবগী মশক ওইরবা অৱাবা অবস্থা অসি উবদা পুক্নিংদা থোইদোক্না অৱাবা পোকখি ।।১।। অদুগী তুংদা অশাওববু ভুম্লবা, থমোইবু লাকশিনবা ভুম্লবা অমসুং ইন্দ্রিয় খুদুম চম্লবা মহর্ষিশিংনা জগৎপু নুংশিবিবদগী ব্রহ্মলোক তাম্না চৎখি ।।২।। মফম অদুদা চংখ্রগা করি উবগে হাযববু ব্রহ্মা অসি দেবতা পুমনমক্না লোয়ননা ফমদুনা লৈরম্মি , অদুগা মহাকপু কোইশিন্দুনা ব্রহ্মর্ষি পুমনমকসু লৈরম্মি ।।৩।। মফম অদুদা বিষ্ণু শিব, অগ্নি, বায়ু, সূর্য্য, শুক্র অমসুং ব্রহ্মাগী মপুক্নিংদগী পোকপা মরীচিনচিংবা মচাশিং অমসুং ঋষি ময়ামসু লৈরম্মি । বৈখানস, বালখিল্য, বানপ্রস্থ, মরীচিপায়ী, বিষ্ণুবু লাংপা অমসুং অপাম্বা কল্লকপা লৈত্রবা ব্রহ্মতা থনবা মখোয় পুমনমক অসিনা ব্রহ্মাগী নাক্তা চৎখ্রে ।।৪—৫।। (*) অদুগুম্বা মহর্ষিশিংনা, মথম্বাই যামনা ৱানা ব্রহ্মাগী নাক্তা চৎখিদুনা সুন্দ উপসুন্দনা তৌরিবা থবক পুমনমক অসি তম্বিরে ।।৬।। মখোয় অনীনা মতৌ করমনা ময়োন অহুমবু ভুমখিবা অদুগা মতৌ করমনা তমখিরবা থবক কয়া তৌরিবা পুমনমক অসি মথংশিংনা তম্বিরে ।।৭।।

(*) টীকা :— হায়রিবশিং অসি মুনিশিংগী মমিংমক্তনিদি হায়ববু মান মানা তৌবা কর্ম্মগী মতাংইন্না মমিং ওইনা লৈথ্রবনি, বণতদা লৈত্তুনা পুনসি লেনবনা বৈখানস কৌবনি, পুনশি চুপ্পা গর্ভদগী তারকপা অঙাংগী মতৌগুম্বা পিশক পিক্না লৈবনা বালখিল্য হায়বনি, বানপ্রস্থ আশ্রমতদা লৈবনা বানপ্রস্থ হায়বনি; নুমিৎকী মশেক মঙান্দা থক্তুনা পুনসি লেনবনা মরীচিপরী হায়বনি । বাহৈশিং অসি সংজ্ঞা বচেববিশেষ্য ওইনা অমসুং জাতি বাচক বিশেষ্য ওইনা লৌব য়াই ।

ততো দেবগণাঃ সর্বে তে চৈব পরমর্ষয়ঃ। তমেবার্থং পুরস্কৃত্য পিতামহমচোদয়ন্ ॥৮॥
ততঃ পিতামহঃ শ্রুত্বা সর্বেষাং তদ্বচস্তদা। মুহূর্তমিব সঞ্চিন্ত্য কর্তব্যস্য বিনিশ্চয়ম্ ॥৯॥
তয়োর্বধং সমুদ্দিশ্য বিশ্বকর্মাণমাহ্বয়ৎ। দৃষ্ট্বা চ বিশ্বকর্মাণং ব্যাদিদেশ পিতামহঃ ॥১০॥
সৃজ্যতাং প্রার্থনীয়েকা প্রমদেতি মহাতপাঃ। পিতামহং নমস্কৃত্য তদ্বাক্যমভিনন্দ্য চ।
নির্মমে যোষিতং দিব্যাং চিন্তয়িত্বা প্রযত্নতঃ ॥১১
ত্রিষু লোকেষু যৎ কিঞ্চিদ্ভূতং স্থাবরজঙ্গমম্। সমানয়দ্দর্শনীয়ং তত্তদত্র স বিশ্ববিৎ ॥১২॥
কোটিশশ্চৈব রত্নানি তস্যা গাত্রে ন্যবেশয়ৎ। তাং রত্নসংঘাতময়ীমসৃজদ্দেবরূপিণীম্ ॥১৩॥
সা প্রযত্নেন মহতা নির্মিতা বিশ্বকর্মণা। ত্রিষু লোকেষু নারীণাং রূপেণাপ্রতিমাভবৎ ॥১৪॥
ন তস্যাঃ সূক্ষ্মমপ্যস্তি যদগাত্রে রূপসম্পদা। নিযুক্তা যত্র বা দৃষ্টির্ন সজ্জতি নিরীক্ষতাম্ ॥১৫॥
সা বিগ্রহবতীব শ্রীঃ কামরূপা বপুষ্মতী। পিতামহমুপতিষ্ঠৎ কিং করোমীতি চাব্রবীৎ ॥১৬॥
প্রীতো ভূত্বা স দৃষ্ট্বৈব প্রীত্যা চাস্যৈ বরং দদৌ। কান্তত্বং সর্বভূতানাং সা প্রিয়াদুত্তমং বপুঃ ॥১৭॥
সা তেন বরদানেন কর্তুশ্চ ক্রিয়য়া তদা। জহার সর্বভূতানাং চক্ষুংষি চ মনাংসি চ ॥১৮॥

তৌবিয়ু হায়তুনা ব্রহ্মাগী মফমদা হায়জখি ॥৮॥ মতম অদুদা ব্রহ্মানা মখোয় পুমনমকী বা অহ তারতুনা ভায়হাক্তুং করি তৌগদগে হায়না খল্লুরগা সুন্দ উপসুন্দ অনী অসিবু হাৎননবা বিশ্বকর্মাবু কৌশিনখি, বিশ্বকর্মা লাক্লবা মতমদা ব্রহ্মানা য়াথং অসি পীখি, ॥৯—১০॥ বিশ্বকর্মা! সংসারদা লৈবা মী পুমনমক্তা মিক্তৌনফম ওইবী ফজরবী সুপী অমতং নং শেম্মু। মতম অদুদা বিশ্বকর্মানা ব্রহ্মাবু খুরম্মমতুনা ব্রহ্মাগী হৌদোকরকইবা ৱাফম অদুবু থাগত্তুনা ৱাখল মুম্না তৌনা মীরমলেন্দ ওইররোইদবী সুপী অম শেমখি ॥১১॥

থোৎথোপ্পা হৈরবা থংলবা বিশ্বকর্মনা জগৎ অসিগী মসুংদা অচম্ভত্ত লৈবিবা জীবশিং অসিগী মসুংদা হেক লৈবা ফজ ফজরবা শরুক অদু কৌখত্তুনা, মাঠ পূম্নমক অদুনা রমণী অ শাবদা মচাক ওইননবা লৌশিনখরে ॥১২॥ মহাক্কী হকচাং কায়াৎ পুম্বদা হীরা-রত্ন কোটি কোটি হাজং রৈথরে, মতৌ অসুমনা বিশ্বকর্মনা মণি–রত্নগী মশক ওইরবী লাইরেম্মী রমণী অমা শেমখে ॥১৩॥ বিশ্বকর্মনা হন্দক শারিবা রমণী অসিদি মরোল অহুমগী সুপীশিংগী মরক্তা অমগা চাংদমনীংঙাই লৈত্রবীনি ॥১৪॥ মরমদি মহাক্কী হকচাংদা, অউব অয়েংবা মীগী মিৎকমনা, মহাক্কী হকচাংগী গুণ পুম্নমকনা চিংশিনখিন্নুনা হোৎকম থংদনা তুংত্তুনা লৈরোইদবা মকম মচা অমত্তাওবা হাংদুনা লৈতে ॥১৫॥ তাইবংমী পুম্নমক্কী অপাম-মুংশি পোকনফম ওইরবী, তাইবং পুক্লিং হুনলবগী মশক ওইরবী লক্ষ্মীমক্কী মশক ওইরবী অফুনা রমণী ব্রহ্মাগীদা চৎখিদুনা "ঐবু করি তৌজো হায়রগে?" হায়না হংলুরে ॥১৬॥ ব্রহ্মানা মহাকপু উবদা মুংঙাইবদুনা, মুংশিবগা লোয়ননা অমুম হায়না বর পীখি "জীবগানবা পোকহনবা ওমা ওইয়ু; জগতা কননা থম্বাইদগী হেনবী ওইয়ু" ॥১৭॥ ব্রহ্মাগী বরদাননা অমসুং বিশ্বকর্মাগী খুৎশেম হৈবনা রমণী অসিগী জগতা লৈবা জীবগানবা পুম্নমক্কী পুক্লিংগা

তিলং তিলং সমানীয় রত্নানাং যদ্বিনির্ম্মিতা। তিলোত্তমেতি তত্তস্যা নাম চক্রে পিতামহঃ ॥১৯॥
ব্রহ্মাণং সা নমস্কৃত্য প্রাঞ্জলির্বাক্যমব্রবীৎ। কিং কার্য্যং ময়ি ভূতেশ ! যেনাস্ম্যদ্যেহ নির্ম্মিতা ॥২০॥

পিতামহ উবাচ।

গচ্ছ সুন্দোপসুন্দাভ্যামসুরাভ্যাং তিলোত্তমে ! । প্রার্থনীয়েন রূপেণ কুরু ভদ্রে ! প্রলোভনম্ ॥২১॥
ত্বৎকৃতে দর্শনাদেব রূপসম্পৎকৃতে ন বৈ। বিরোধঃ স্যাদ্যথা তাভ্যামন্যোন্যেন তথা কুরু ॥২২॥

নারদ উবাচ।

সা তথেতি প্রতিজ্ঞায় নমস্কৃত্য পিতামহম্। চকার মণ্ডলং তত্র বিবুধানাং প্রদক্ষিণম্ ॥২৩॥
প্রাঙ্মুখো ভগবানাস্তে দক্ষিণেন মহেশ্বরঃ। দেবাশ্চৈবোত্তরেণাসন্ সর্ব্বতস্ত্বৃষয়োঽভবন্ ॥২৪॥
কুর্ব্বত্যাং তু তদা তত্র মণ্ডলং তৎ প্রদক্ষিণম্। ইন্দ্রঃ স্থাণুশ্চ ভগবান্ ধৈর্য্যেণ প্রত্যবস্থিতৌ ॥২৫॥
দ্রষ্টুকামস্য চাত্যর্থং গতয়া পার্শ্বতস্তয়া। অন্যদঞ্চিতপক্ষ্মান্তং দক্ষিণং নিঃসৃতং মুখম্ ॥২৬॥
পৃষ্ঠতঃ পরিবর্ত্তন্ত্যা পশ্চিমং নিঃসৃতং মুখম্। গতয়া চোত্তরং পার্শ্বমুত্তরং নিঃসৃতং মুখম্ ॥২৭॥
মহেন্দ্রস্যাপি নেত্রাণাং পৃষ্ঠতঃ পার্শ্বতোঽগ্রতঃ। রক্তান্তানাং বিশালানাং সহস্রং সর্ব্বতোঽভবৎ ॥২৮॥

মিৎকা শুজ্জংপা হৌখ্রে, বিশ্বকর্ম্মনা রমণী অসি শাবা শেম্বা মতমদা মরোল অহুমগী ফজবথিবিক্কগী ফজবা শরুকতগী থোইদিং মথায মুক্ত লৌথৎ লৌখত্তুনা শেমখি হায়দুনা ব্রহ্মানা রমণী অসিগী মমিং "তিলোত্তমা" হায়না থোনখি ॥১৯॥ তিলোত্তমানা ব্রহ্মা'দা খুরমজুনা, খুৎ লোমজুনা হায়রকই হে প্রজাপতি ! ঐবু শেম্বিরিবসিবু করি থবক্কীনো ? ঐবু করি তৌজো হায়বগে ? ॥২০॥ ব্রহ্মানা হায়রকই—তিলোত্তমা ! হৌজিকমক চৎলু, সুন্দ উপসুন্দ অনী অসিগী মফমদা অপাম সুংশি পোক্রনবা নশক-শাওং শাথেক্লা মথোয় অনীবু মথুম মরাং হৌহল্লু মিহৌহল্লুচো ॥২১॥ নহাকপু উরে হায়রগা, নহাক্কী নশক নতৌ শাথেকতা পূমজাও ভাওজুনা মথোয় অনীনা নহাকপু মুম্মরক্কুনা অমগা অমগা য়েংখিননবা খৎননবা শীল্লু ॥২২॥ নারদনা হায়—তাও, যুধিষ্ঠির ! "য়াম্না ফনি" অসি হায়দুনা তিলোত্তমানা ব্রহ্মাবু খুরুম্রগা ইকোয় কোয়না ফম্লিবা দেবতাশিংবু য়েৎলে:ইননা কোয়রম্মি ॥২৩॥ মতম অদুদা, ব্রহ্মানা নোংপোক ওম, শিবনা মখা ওন্দুনা, অতোপ অতোপ্পা দেবতাশিংনা অন্বাং ওন্দুনা ফম্মম্মি, অদুগা ঋষিশিংনা মাগী মাগী মায়কৈ ওন্দুনা অকোয়বদা ফম্মম্মি ॥২৪॥ তিলোত্তমানা ময়াম ইকোয় কোয়না ফম্লিবশিং অদুবু য়েৎলোয়ননা অম্মম কোয়রকপদা শিবগা ইন্দ্রগনা মতম থৌরাংদি তপথনা ইন্দ্রিয় থুদুম চন্দুনা ফমদুনা লৈরম্মি ॥২৫॥ অদুগা ব্রহ্মাদি মত্তাকপু য়াম্না মুক হেক মক্ষেংনিংলক্রে। তিলোত্তমানা মখারোমদা হেক লাকপদা ব্রহ্মানা য়েংলুবদা, ব্রহ্মাগী মখা মায়কৈ ওনবা মায় অমা চোংথোকখি; মায়থোং অহুগী থম্বাল মান্নবা মিৎ অনীন তিলোত্তমাগী মথক্তা অক্লুম্মক ভাদুনা লৈরে ॥২৬॥

তিলোত্তমানা ভুংলোমদা য়োরকপা মতমদা ব্রহ্মাগী ভুংলোম থংবা মমায় অমা থোকখি, অহাং লোমদা লাকপা মতমদা অহাং ওনবা মমায় অমা লোংথোকখি, থোরক-থোরকপা শায়থেংবী মিৎ অনী অনীনা তিলোত্তমাদা অহম য়েংতুনা লৈরে ॥২৭॥ অহুগী পুরুহু ইন্দ্রাগী মমাংথোংমদা মহুক-

এবং চতুর্ম্মুখঃ স্থাণুর্ম্মহাদেবোঽভবৎ পুরা । তথা সহস্রনেত্রশ্চ বভূব বলসূদনঃ ॥২৯॥
তথা দেবনিকায়ানাং মহর্ষীণাঞ্চ সর্ব্বশঃ । মুখানি চাভ্যবর্ত্তন্ত যেন যাতা তিলোত্তমা ॥৩০॥
তস্যা গাত্রে নিপতিতা দৃষ্টিস্তেষাং মহাত্মনাম্ । সর্ব্বেষামেব ভূয়িষ্ঠমৃতে দেবং পিতামহম্ ॥৩১॥
গচ্ছন্ত্যা তু তয়া সর্ব্বে দেবাশ্চ পরমর্ষয়ঃ । কৃতমিত্যেব তৎ কার্য্যং মেনিরে রূপসম্পদা ॥৩২॥
তিলোত্তমায়াং তস্যান্তু গতায়াং লোকভাবনং । সর্ব্বান্ বিসর্জ্জয়ামাস দেবানৃষিগণাংশ্চ তান্ ॥৩৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বিদুরাগমনরাজ্যলাভে
সুন্দোপসুন্দোপাখ্যানে চতুরধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:⊙:—

লোমদগী, নাকল অনিদগী ভাংলবা লাওরবা মিং মযাম থোরক্লুনা তিলোত্তমাবু য়েংখি ॥২৮॥ অহনা মমাংঙৈদগী হৌনা ব্রহ্মানা মমায মরি পানবা শিবনা লেংদনা লৈথিবদগী স্থানু (মুংগুম্ব লেংদনা লৈবা) কৌখি্রবা, ইন্দ্রনা মমিং লিশিং অমা পানবা হায়রগা খংনখি্রবসি থৌদোক অসিদগীনি ॥২৯॥ অমদি তিলোত্তমানা অস্থম কোযদুনা লাকপদা দেবতাশিং অমদি মহর্ষিশিংদি মহাকনা ওল্লক ওল্লকপা মাযকৈদা কোয়লৈ লৈনা য়েংদুনা লৈখি ॥৩০॥ পুকচেল চাওরবা দেবতা অমসুং মহর্ষিশিং অদুগী মিৎয়েংদি লৈন লৈনা তিলোত্তমাগী মথক্তা হঞ্জিল হঞ্জিল অদুম মতাখি, ব্রহ্মাগীদি মাদু নংখিদে অসিনা মরম ওইদুনা সুন্দ উপসুন্দ অনিগী মরক্তা শোয়দনা মুংঙাইনহন্‌বদবা, থুং-নচৈনবা ফুনবা শোয়দনা থোকহল্লেদনা হায়না দেবতাশিংবু অমসুং মহর্ষিশিংনা চপ মান্নবা খনখি ॥৩২॥ তিলোত্তমনা চৎখরবা তুং অসিদা ব্রহ্মানা দেবতশিং অমদি মহর্ষিশিংদা বিদায পীখি ॥৩৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোকলিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা বিদুরাগমন রাজ্যলাভগী মনুংদা সুন্দোপসুন্দোপখ্যানগী চনী মরি শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম্

(সুন্দ উপসুন্দগী ম্বাঙী মথা)

(ভনি মঙা শুবা অধ্যায়)

—:(†):—

নরাদ উবাচ।

জিত্বা তু পৃথিবীং দৈত্যৌ নিঃসপত্নৌ গতব্যথৌ। কৃত্বা ত্রৈলোক্যমব্যগ্রং কৃতকৃত্যৌ বভূবতুঃ ॥১॥

দেবগন্ধর্ব্বযক্ষাণাং নাগপার্থিবরক্ষসাম্। আদায় সর্ব্বরত্নানি পরাং তুষ্টিমুপাগতৌ ॥২॥

যদা ন প্রতিষেদ্ধারস্তয়োঃ সন্তীহ কেচন। নিরুদ্যোগৌ তদা ভূত্বা বিজহ্রাতেঽমরাবিব ॥৩॥

স্ত্রীভির্গন্ধৈশ্চ মাল্যৈশ্চ ভক্ষ্যভোজ্যৈঃ সুপুষ্কলৈঃ। পানৈশ্চ বিবিধৈর্হৃদ্যৈঃ পরাং প্রীতিমবাপতুঃ ॥৪॥

অন্তঃপুরবনোদ্যানে পর্ব্বতেষু বনেষু চ। যথেপ্সিতেষু দেশেষু বিজহ্রাতেঽমরাবিব ॥৫॥

ততঃ কদাচিদ্বিন্ধ্যস্য প্রস্থে সমশিলাতলে। পুষ্পিতাগ্রেষু বিহারমভিজগ্মতুঃ ॥৬।

দিব্যেষু সর্ব্বকামেষু সমানীতেষু তাবুভৌ। বরাসনেষু সংহৃষ্টৌ সহ স্ত্রীভির্নিষেদতুঃ ॥৭॥

ততো বাদিত্রনৃত্যাভ্যামুপাতিষ্ঠন্ত তৌ স্ত্রিয়ঃ। গীতৈশ্চ স্তুতিসংযুক্তৈঃ প্রীত্যা সমুপজগ্মিরে ॥৮॥

নারদনা হায়খি— সুন্দ উপসুন্দ অনী অসিনা পৃথিবী পুম্বু জয় তৌদুনা য়েক্নবা তিংথং লৈতনা, য়াম্না নুংঙাইনা, মরোল অহুম্ব, অমুক মিপাইহন্দনা তপ হাম্নগী ওওংদা পুশিন্দুনা লৈংব থুংখি মখোয়নীনা তৌগে নীংলিবা থবক অদু পাংথোকখি ॥১॥ মখোয় অনীনা দেব, গন্ধর্ব্ব, যক্ষ, রক্ষ, কিন্নর অচৌ অচৌবা নাগবংশগী লীল ময়াম অমসুং নিংথৌশিংগী মরল্ল মথুম মুন্দুনা লৌহনা নুংঙাইনা পানখি ॥২॥ মতম অদুদা মরোন অহুমগী মনুংদা মখোয় অনীগা লান্নবা কনা অমত্তা য়াওখিদ্রে, অদুনা শান্তালগী থবক পুমনমক থাদোক্তুনা স্বর্গগী দেবতাশিংগী মতৌগুমনা মনিং মথা তমনা কোইচৎ চত্তুনা শান্নবা হৌরক্লে ॥৩॥ সুপী, চন্দন, লৈপরেং, মখল মথা অয়াম্বা অচাপোৎ, য়েংবদা পূক্লিং হুনবগী মশক ওইরবা হাওরবা থুন্নবা থক্নবা মখল মখল পুমনমক অসিনা নুংঙাইরবদা কৎতুনা অমঙি থন্দুনা মতম লেন্নক্লে ॥৪॥ মখোয় অনীনা অন্তঃপুরগী পুখ্রী, লৈকোল, চীংমান্ন বন অমসুং চৎনিং চৎনিংবা মফমদা চত্তুনা দেবতাশিংগী মতৌগুম্না কোইচৎ চত্তুনা শান্নরকই ॥৫॥ অসিগী তুংদা লোংমা মখোয় অনীনা বিন্ধ চীংজাউগী লৈতেম মান্নবা তম্পাক্তা, মনা মপান্না থান্নবা চীংগুগী মনাদা নুংঙাইনা মনিংতম্না শান্নদুনা লৈ ॥৬॥ মনাই মথনশিংনা মথল মথা অয়াম্বা করকরবা হাওর হাওরবা অচা অথক্নচিংবা পোৎচৈ পুরকই, মাদু পুম্নমক অহংগা লোয়ননা মখোয় অনীনা সুপীশিংগা লোয়ননা নিংথিজরবা আসনদা ফমদুনা লৈ ॥৭॥ অদুগী তুংদা সুপীশিং অদুনা মখোয়গী লৈথি লৈখোননা থাগৎপা ঈশৈনা, শুন্দোল জগোইনা মখোয় অনীবু পেনজনশিন্নি অমসুং অপাম্ব নুংনিবগা লোয়ননা

ততস্তিলোত্তমা তত্র বনে পুষ্পাণি চিন্বতী। বেশমাক্ষিপ্তমাধায় রক্তেনৈকেন বাসসা ॥৯
নদীতীরেষু জাতান্ সা কর্ণিকারান্ প্রচিন্বতী। শনৈর্জগাম তং দেশং যত্রাস্তাং তৌ মহাসুরৌ ॥১০॥
তৌ তু পীত্বা পরং পানং মদরক্তান্তলোচনৌ। দৃষ্ট্বৈব তাং বরারোহাং ব্যথিতৌ সম্বভূবতুঃ ॥১১॥
তাবুত্থায়াসনং হিত্বা জগ্মতুর্যত্র সা স্থিতা। উভৌ চ কামসম্মত্তাবুভৌ প্রার্থয়তশ্চ তাম্ ॥১২॥
দক্ষিণে তাং করে সুভ্রূং সুন্দো জগ্রাহ পাণিনা। উপসুন্দোঽপি জগ্রাহ বামে পাণৌ তিলোত্তমাম্ ॥১৩॥
বরপ্রদানমত্তৌ তাবৌরসেন বলেন চ। ধনরত্নমদাভ্যাঞ্চ সুরাপানমদে চ ॥১৪॥
সর্ব্বৈরেতৈর্ম্মদৈর্মত্তাবন্যোন্যং ভ্রূকুটীকৃতৌ। মদকামসমাবিষ্টৌ পরস্পরমথোচতুঃ ॥
মম ভার্য্যা তব গুরুরিতি সুন্দোঽভ্যভাষত। মম ভার্য্যা তব বধূরুপসুন্দোঽভ্যভাষত ॥১৬॥
নৈষা তব মমৈষেতি ততস্তৌ মন্যুরাবিশৎ। তস্যা রূপেণ সম্মত্তৌ বিগতস্নেহসৌহৃদৌ ॥১৭॥
তস্যা হেতোর্গদে ভীমে সংগৃহ্নীতামুভৌ তদা। প্রগৃহ্য চ গদে ভীমে তস্যাং তৌ কামমোহিতৌ।
অহং পূর্ব্বমহং পূর্ব্বমিত্যন্যোন্যং নিজঘ্নতুঃ ॥১৮॥

সুপীশিং অতুগা অচীকপদা উনহনা শান্নমিন্নৈ ॥৮॥ অসিগী তুংদা, অসুম্না শান্নরিঙৈদা তিলোত্তমানা ভাংলবা পান্নবা ফিজোম্না লৈতেংলতুনা, নিপাগী থমোইবু হুননবগী মশক ওইরবা ফিজেৎনা লৈতেংহনা বন অতুদা লৈ হেকপগী মতাগুম্না তুরেন মপান্দা তৌরিবা স্থলপদ্মশিং অতুবু হেক্ল হেক্লতুনা তপ্ন তপনা লাক্তুনা সুন্দ উপসুন্দ অনীনা লৈরিবা মফম অতুদা থুংলরে ॥৯—১০॥ অসোমদা সুন্দ উপসুন্দ অনীসু সুরাপান তৌহনা মতুগী মযাযনা মমিৎ অনি অঙ্গ ঈমুক ভাংহনা লৈরম্মি, মখোয় অনীনা তিলোত্তমাবু হেক উবদা থিংব য়াত্রবা উননিংবগী চৈনাথোম্না খাংবা ভমখিদরে ॥১১॥ ফম্লিবা আসন অতুদগী ফুক ফুক হোৌগতুনা তিলোত্তমানা লৈরিবা মফম অদু তাম্না প্রপ-প্রপ চংশিনখ্রে, অমসুং মখোয় অনীমক চপ মাননা তিলোত্তমাগা তিন্ননিংবনা ভাওহনা মখোয় অনীমক্না মতম অমতদা চপ মান্ননা নিংবা থুংহল্লু হায়রকই ॥১২ সুন্দনা মহাক্কী মখুৎনা তিলোত্তমাগী য়েৎথংবা খুদাং পায়, উপসুন্দনা ওইথংবা খুদাং পায় ॥১৩॥ অসিগী তুংদা ব্রহ্মানা পীরকপা বরদানগী মন্নাইনা, মশাগী মঙ্গাঙ্গন কনবগী মন্নাইনা মবল মথুম মণি মুক্তা লৈবগী মযাইনা অসিগী মথক্তা সুরাপান তৌকবগী নিশানা মন্নাই কান্নবা থিবিক অসিনা সুন্দ অমসুং উপসুন্দ অনী অসি তিলোত্তমাগা তিন্ন উন্ননিংবগী মন্নাইনা অমুক হেন্না ভাওখিতুনা মখোয় অনী অমগা অমগা পীশুম শুকতোক্লহনা খানা যেংনহনা অমনা অমদা চপ মান্ননা হায়মিন্নরকই ॥১৪—১৫॥ সুন্দনা হায়— মাসি ঐগী মুপিনি, নংগীদি নমাগা অম্মা ওইরে। উপসুন্দসু অতুম্ম হায়—মাসি ঐগী মুপীনি নংগীদি মমৌগা অম্মানি ॥১৫॥ অতদগীদি মখোয় অনী অমগা অমগা—নংগী নত্তে ঐগীনি হায়বা যাহৈ অসি চপ-চপ মান্ননা হায়মিন্নরকই। অসিগী তুংদা তিলোত্তমাগী মশক মতৌ শাও শাদা শাথেক অহদা অমুক ভাওবা হেনগৎনবিতুনা হাজগী মচিন্নলাওগী সুংশিনবা তমসুং লিংজেল মান্নবা অত্ত মিকুপ্তা মাংখরে অমগা অমগা শাওনরক্রে ॥১৭॥

মতম অদুদা মখোয় অনীমক তিলোত্তমাবু মফম অমদগী পুন্নগা চংশিনদোবগী মাগী মাগী

তৌ গদাভিহতৌ ভীমৌ পেততুর্ধরণীতলে। রুধিরেণাবসিক্তাঙ্গৌ দ্বাবিবার্কৌ নভশ্চ্যুতৌ ॥১৯॥
ততস্তা বিদ্রুতা নার্য্যঃ স চ দৈত্যগণস্তদা। পাতালমগমৎ সর্ব্বো বিষাদভয়কম্পিতঃ ॥২০॥
ততঃ পিতামহস্তত্র সহ দেবৈর্মহর্ষিভিঃ। আজগাম বিশুদ্ধাত্মা পূজয়িষ্যংস্তিলোত্তমাম্ ॥২১॥
বরেণ চ্ছন্দয়ামাস ভগবান্ প্রপিতামহঃ। বরং দিৎসুঃ স তত্রৈনাং প্রীতঃ প্রাহ পিতামহঃ ॥২২॥
আদিত্যচরিতাল্লোঁকান্ বিচরিষ্যসি ভাবিনি!। তেজসা চ সুদৃষ্টাং ত্বাং ন করিষ্যতি কশ্চন ॥২৩॥
এবং তস্যৈ বরং দত্ত্বা সর্ব্বলোকপিতামহঃ। ইন্দ্রে ত্রৈলোক্যমাধায় ব্রহ্মলোকং গতঃ প্রভুঃ ॥২৪॥
এবং তৌ সহিতৌ ভূত্বা সর্ব্বার্থেষ্বেকনিশ্চয়ৌ। তিলোত্তমার্থাং সংক্রুদ্ধাবন্যোন্যমভিজঘ্নতুঃ ॥২৫॥
তস্মাদ্ব্রবীমি বঃ স্নেহাৎ সর্ব্বান্ ভরতসত্তমাঃ!। যথা বো নাত্র ভেদঃ স্যাৎ সর্ব্বেষাং দ্রৌপদীকৃতে।
তথা কুরুত ভদ্রং বো মম চেৎ প্রিয়মিচ্ছথ ॥২৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তা মহাত্মানো নারদেন মহর্ষিণা। সময়ং চক্রিরে রাজন্! তেঽন্যোন্যবশমাগতা ॥২৭॥

গদা থাংগৎনরক্কনা—"ঐনা হান্না" হায়বা বাহৈ অসিনা হন্না হন্না হায়নরক্কনা অমনা অমদা গদানা যুথনরক্রে ॥১৮॥ ফুনরকপা অসিনা মখোয় অনীগী মশা অদো ঈনা পুমডাং ঙাংখরে, অকিবা মশক ফংলবা সুন্দ উপসুন্দ অনী অসি নোংমদোন্দগী নাথরকপা সুমিৎ অনীগী মতৌগুম্না লৈমায়থক্তা তাখরে ॥১৯॥ অসিগী তুংদা মখোয় অনীগী মতৌ অঙু উবদা সুপী নহা পুম্নমক মনাই-মথন দৈত্যগী মপৈ অহুম অৱাবা অমদি অকিবনা থক থক নীকহুনা পাতালদা চংশিন্নখে ॥২০॥ অসিগী তুংদা পুকচেল শেংলবা ব্রহ্মানা তিলোত্তমাবু ইকায় খুম্নবগে অমদি থাগৎলুগে হায়দুনা দেবতাশিং অমদি মহর্ষিশিংগা লোয়নদুনা মফম অদুদা লাকখি ॥২১॥ ভগবান ব্রহ্মানা পেন্নহনা তিলোত্তমাদা বর পীদুনা পেন্হলখি। ব্রহ্মানা বর পীগে হায়হনা তিলোত্তমাদা হায়রকই ॥২২॥ তিলোত্তমা! নহাক হৌজিক সূর্য্যলোক চৎলগদবনি; মফম অদুদসু নহাক্তী অকনবা তেজনা নহাকপু কনাগুম্ব অমত্তনা নীংথনা উবা ফংলোই ॥২৩॥ ব্রহ্মানা তিলোত্তমাদা অসুম্না বর পীরম্নগা অমসুং ইন্দ্রবু অমুক মরোল অহুমগী নিংথৌ হাম্পিরম্নগা, ব্রহ্মলোক তাম্ন চৎখি ॥২৪॥ মতৌ অসুম্না সুন্দ উপসুন্দ অনী অতুসু অমগা অমগা তিন্নদুনা বিষয় পুম্নমকতা মত অমতা ওইহনা সুংশিনা লৈমিন্নরম্নবসু তিলোত্তমাগী হাক্তক্তগী অমগা অমগা গদানা ফুনদুনা চপ মান্ননা শিমিন্নখি ॥২৫॥ মরম অদুনা ভরত শাগৈগী অথোইবশা! নখোয়বু সুংশিদুনা ঐনা হায়রী অসি নখোয়দা নীঙ্গিবনি। মতৌ অদুগুমদুনা নখোয়সু নখোয়গী মরক্তা দ্রৌপদীগীদমক্ত শাওনবা, সুংডাইনদবা থওনচৈনবা অসি থোক্তনবা নশা নশানা অহুম শীন্নু। ঐগী সুংশিবা অমদি য়ানীংব থবকপু তৌগে খল্লবদি থওনচৈনবসি থোক্তনবা উপায় অমতং তৌ, মাদুত্তদা নখোয়গী মঙ্গল ওইগনি ॥২৬॥

বৈশম্পায়ননা হায়— মহর্ষি নারদনা অসুম হায়রবা, অমনা অমগী মথা পোমনবা, পুকচেল

সমক্ষং তস্য দেবর্ষের্নারদস্যামিতৌজসঃ। একৈকস্য গৃহে কৃষ্ণা বসেদ্বর্ষমকল্মষা ॥২৮॥

দ্রৌপদ্যা নঃ সহাসীনানন্যোঽন্যং যোঽভিদর্শয়েৎ। স নো দ্বাদশ বর্ষাণি ব্রহ্মচারী বনে বসেৎ ॥২৯॥

কৃতে তু সময়ে তস্মিন্ পাণ্ডবৈর্ধর্ম্মচারিভিঃ। নারদোঽপ্যগমৎ প্রীত ইষ্টং দেশং মহামুনিঃ ॥৩০॥

এবং তৈঃ সময়ঃ পূর্ব্বং কৃতো নারদচোদিতৈঃ। ন চাভিদ্রুহ্যন্ত তে সর্ব্বে তদান্যোন্যেন ভারত! ॥৩১॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি বিদুরাগমনরাজ্যলাভে

বিদুরাগমনরাজ্যলাভে সুন্দোপসুন্দোপাখ্যানং নাম

পঞ্চাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——.(*):——

চাওরবা পাণ্ডবশিংনা দেবর্ষি নারদগী মাংমক্তদা—"পাপ যাওদ্রবী সতী দ্রৌপদীনা চহী অমমম ঐখোয় মী অমমমগী যুমদা লৈগনি" অসুম হায়না নিযম অসি লেপনখি ॥২৭—২৮॥ "অতুগা করিগুম্বা ঐখোয়গী মবক্তা কনাগুম্ব অমনা দ্রৌপদীগা চহী অহুমা লৈমিন্নরিঙৈদা চংভুরবা অতোপ্প মহাক অতুনা ব্রহ্মচারী ওইদুনা চহী তরানিথোই বন চংনবা।" নিযম অসিমসু লেপনখি ॥২৯॥ ধর্ম্ম চেল্লবা পাণ্ডবশিংনা অসুম্না নিয়ম তৌনরবদা নারদসু পেল্লহনা চংনীংনা মফমদা চংখরে ॥৩০॥ পাণ্ডবশিংনা নারদগী থৌইনশিন্দগী অসিগুম্বা নিয়ম অসি নারদগী মাংদা তৌনখিবনা মতুংদা মখোযগী মবক্তা করিগুম্বা থংন চৈনবা অকায়বা অমতা থোক্লখিদে ॥৩১॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতত্তা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা বিদুরাগমন রাজ্যলাভগী মনুংদা সুন্দ উপসুন্দগী খ্বারী চনী মঙা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—(*)=

শ্রীমহাভারতম্

(অর্জ্জুনগী বনবাস)

(চনি তরুক শুবা অধ্যায়)

---:(০):---

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবং তে সময়ং কৃত্বা ন্যবসংস্তত্র পাণ্ডবাঃ। বশে শস্ত্রপ্রতাপেন কুর্ব্বন্তোহন্যান্ মহীক্ষিতঃ ॥১॥
তেষাং মনুজসিংহানাং পঞ্চানামমিতৌজসাম্। বভুব কৃষ্ণা সর্ব্বেষাং পার্থানাং বশবর্ত্তিনী ॥২॥
তে তয়া তৈশ্চ সা বীরৈঃ পতিভিঃ সহ পঞ্চভিঃ। বভুব পরমপ্রীতা নাগৈরিব সরস্বতী ॥৩॥
বর্ত্তমানেষু ধর্ম্মেণ পাণ্ডবেষু মহাত্মসু। ব্যবর্দ্ধন্ কুরবঃ সর্ব্বে হীনদোষাঃ সুখান্বিতাঃ ॥৪॥
অথ দীর্ঘেণ কালেন ব্রাহ্মণস্য বিশাংপতে!। কস্যচিত্তস্করা জহ্রুঃ কেচিদগা নৃপসত্তম! ॥৫॥
হ্রিয়মাণে ধনে তস্মিন্ ব্রাহ্মণঃ ক্রোধমূর্চ্ছিতঃ। আগম্য খাণ্ডবপ্রস্থমুদক্রোশৎ স পাণ্ডবান্ ॥৬॥
হ্রিয়তে গোধনং ক্ষুদ্রৈর্নৃশংসৈরকৃতাত্মভিঃ। প্রসহ্য বোঽস্য বিষয়াদভিধাবত পাণ্ডবাঃ! ॥৭॥
ব্রাহ্মণস্য প্রশান্তস্য হবির্ধ্বাঙ্ক্ষৈঃ প্রলুপ্যতে। শার্দ্দূলস্য গুহাং শূন্যাং নীচঃ ক্রোষ্টাভিমর্দ্দতি ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— পাণ্ডবশিংনা মতৌ অসুম্না নিয়ম তৌদুনা ইন্দ্রপ্রস্থদা লুংঙাইদনা লৈরমখি। থুংশু থুংলাই, মীহেগী পাম্বৈনা অতোপ অতোপ্পা নিংথৌশিংবু মথং মথং মখা পোলহনরে ॥১॥ অদুগা দ্রৌপদী মথন্তনা, অতৈগা মান্নদনা কন্নবা, তেজ লৈরবা মীথোই মীহেন্নবা পাণ্ডব মঙাগী মখাপোনবী ওইদুনা লৈখি ॥২॥ মরম অদুনা পাণ্ডবশিংনা দ্রৌপদীবু নমচৎ ব্যবহার অদুদা থোইদোক্না নুংশিনা থমখি অমসুং পেঞ্জখি। কন্নবা শামুশিংগা লোয়ননা সরস্বতী তুরেম্না নুংঙাইজবা পেক্লবা অদু গুমলদুনা, দ্রৌপদীসু মপুরোযবা মঙানা নুনা নুংশিন তৌবিবা অদুদা মপুরোয়বাশিং অদুবু নুনা নুংশিনা থমজখি ॥৩॥ পুকচেল চাওরব পাণ্ডবশিংনা ধর্ম্মগী মথংইন্না থবক পুন্নমক তৌই, কুরুদেশ পুন্নমক অন্নাবা থংদনা নোংম নোংমগী চাওখৎপা ফংখি ॥৪॥ মহারাজ! মতৌ অসুম্না, মতম য়ামন হৌখ্রবা তুংদা, নোংম, হুরানবা ভাকু থরনা ব্রাহ্মণ অমগী ষণ হুরানবিখ্রে ॥৫॥ ষণ অদুনা মরল ওইদুনা লৈজরিবা ব্রাহ্মণ অদুনা ষণ অদু হুখিবদুদা য়ামনা নুংঙাইমনখিদ্রবদুনা অমসুং পাণ্ডবশিংবু খ্রদুনা ইন্দ্রপ্রস্থদা লাক্ত্রনা পাণ্ডবশিংগী মফমদা খোঙ্গেল, খুম্না লাওদুনা হায়রকই ॥৬॥ পাণ্ডব পুন্নমক! পুকচেল পীক্লবা, ফত্রব তমর্থীরবা নমচৎ ব্যবহার থংদবা মী থরনা ঙসি নখোয়গী লৈপাক অসিদগী ঐগী ষণবু নমদুনা হুরান্দুনা পুবিখ্রে ॥৭॥

ভাকপীহৈব ব্রাহ্মণগী, যজ্ঞগী পোৎচৈ ঘীনচিংববু, ফত্রবা কাকনা মাংহল্লে পাণ্ডবকী লৈপাক লৈনবু
পীক্লবা নমহুই অমনা, কৈগী অহাংবা লোক্লংদা, চংলক্লুনা লৈম্লরে, করি মতৌ কৌবগে ॥৮॥

অরক্ষিতারং রাজানং বলিষড়্ভাগহারিণম্ । তমাহুঃ সর্ব্বলোকস্য সমগ্রং পাপচারিণম্ ॥৯॥
ব্রাহ্মণস্বে হৃতে চৌরৈর্ধর্ম্মার্থে চ বিলোপিতে । রোরূয়মাণে চ ময়ি ক্রিয়তামস্ত্রধারণম্ ।।১০॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

রোরূয়মাণস্যাভ্যাসে ভৃশং বিপ্রস্য পাণ্ডবঃ । তানি বাক্যানি শুশ্রাব কুন্তীপুত্রো ধনঞ্জয়ঃ ॥১১॥
শ্রুত্বৈব চ মহাবাহুর্মা ভৈরিত্যাহ তং দ্বিজম্ । আয়ুধানি চ যত্রাসন্ পাণ্ডবানাং মহাত্মনাম্ ॥১২॥
কৃষ্ণয়া সহ তত্রাস্তে ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ । সম্প্রবেশায় চাশক্তো গমনায় চ পাণ্ডবঃ ॥১৩॥
তস্য চার্ত্তস্য তৈর্ব্বাক্যৈশ্চোদ্যমানঃ পুনঃ পুনঃ । আক্রন্দে তত্র কৌন্তেয়শ্চিন্তয়ামাস দুঃখিতঃ ॥১৪॥
হ্রিয়মাণে ধনে তস্মিন্ ব্রাহ্মণস্য তপস্বিনঃ । অশ্রুপ্রমার্জ্জনং তস্য কর্ত্তব্যামিতি নিশ্চয়ঃ ॥১৫॥
উপপ্রেক্ষণজোঽধর্ম্মঃ স্যুমহান্ স্যান্মহীপতেঃ । যদ্যস্য রুবতো দ্বারি ন করোম্যদ্য রক্ষণম্ ॥১৬॥
অনাস্তিক্যঞ্চ সর্ব্বেষামস্মাকং স্যাদরক্ষণে । প্রতিষ্ঠিতঞ্চ লোকেঽস্মিন্নধর্ম্মশ্চৈব নো ভবেৎ ॥১৭॥

অহুগুম্বা নিংথৌনা, প্রজাশিংগী কৌথোক্লগী তক্তনা,
শকক তকক্কী শকক 'মবু, মংকৎকী মতৌগুম লৌরগা
মথোয়গী মরল-মথুন্থু, অচোপ অরেম খিবিকপু,
থোইনা লুনা শাকপিত্রবা, অতুগুম্বা মহাকপু,
জগৎকী মমুংদা অথোইবা, পাপীনি হায়না থীনা হাযনৈ,
জ্ঞান লৈবা মুনি খিবিক্লা, থীনা নিন্দা তৌনৈদো ॥৯॥

ধর্ম্মকর্ম্ম তৌননবা, তৌহন্নবা, থমলিবা ব্রহ্মাণগী মরলবু হুরানবনা হুবিথ্রবদা, ধর্ম্মনা মুৎথ্রবদা, মাসিগীদমক্তা কপল্লিবা, ঐগীদমক্তা খুৎলায় পায়খৎলু পাণ্ডব। ॥১০॥ বৈশম্পায়নমা হায়—অমুমনা ব্রাহ্মণনা নকন চংশিল্লক্তুনা পাণ্ডবশিংবু কৌরব্রুনা হম্না হম্না লাওরকপা অসি কুন্তীগী মচা পাণ্ডব ধনঞ্জয়না তাখি ॥১১॥ খোল্লাও অদু তাবদা অর্জ্জুননা ব্রাহ্মণদা লাওনা খুমলকই—কিবিনু, বাবিগনু। পাণ্ডবশিংগী খুৎলায় থমফম য়ুম অসিদা, দ্রৌপদীগা লোয়ননা মহারাজ যুধিষ্ঠির লৈরি, অদুদা অর্জ্জুননা য়ুম অসিদা চৎপা চংশিনবা ঙমদ্রবননি ॥১২—১৩॥ অদু কাওবা হায়রবদা, বারকা ব্রাহ্মণ অদুগী হয় হয় লাওরকপা অরা-পুংঙাইরবগী খোজেল অদু তাবদা কুন্তীগী মচানিপা অর্জ্জুননা ত্রাসনা লাংজকনমা চিন্তা তৌরক্রে ॥১৪॥ অমুম হায়না খল্লকই—"হুরানবনা ব্রাহ্মণ প্রজাগী মরল হুরানবিখ্রে ; মতম অসিমক্তদা মাংথরিবা মরল অসি কনবিদ্রুনা তপস্বী ব্রাহ্মণ অসিগী মপিগী পিথ্রুকলিবা পি অসি হৈত্তখোকপিকম থোকইসে। "মাসিমক ঐখী ইথৌনি" ॥১৫॥ ব্রাহ্মণ অসিনা কাকপুনা খোংগান্দা লাওরবি, মাসিদা ঐনা মহাকী মরল অসিবু শাকপিবা কনবিবা ঙমদ্রবদি ব্রাহ্মণবু খোংঙাইরবগী নিংথৌবা চাওবা দোষ-পাপ অমা খাইগৌরি ॥১৬॥

মহাকী মরল অসিবু ওসি কনবিবা মঙমহোয়বদি, পুমনমকী নাস্তিক ওইবা মতৌ অমদি

অনাদৃত্য তু রাজানং গতে যদি ন সংশয়ঃ। অজাতশত্রোর্নৃপতের্মম চৈবানৃতং ভবেৎ ॥১৮॥
অনুপ্রবেশে রাজস্য বনবাসো ভবেন্মম। সর্ব্বমন্যৎ পরিহৃতং ধর্ষণাত্তু মহীপতেঃ ॥১৯॥
অধর্ম্মোবৈ মহানস্তু বনে বা মরণং মম। শরীরস্য বিনাশেন ধর্ম্ম এব বিশিষ্যতে ॥২০॥
এবং বিনিশ্চিত্য ততঃ কুন্তীপুত্রো ধনঞ্জয়ঃ। অনুপ্রবিশ্য রাজানমাপৃচ্ছ্য চ বিশাংপতে। ॥২১॥
ধনুরাদায় সংহৃষ্টো ব্রাহ্মণং প্রত্যভাষত। ব্রাহ্মণাগম্যতাং শীঘ্রং যাবৎ পরধনৈষিণঃ ॥২২॥
ন দূরে তে গতাঃ ক্ষুদ্রাস্তাবদ্গচ্ছাবহে সহ। যাবন্নিবর্ত্তয়াম্যদ্য চৌরহস্তাদ্ধনং তব ॥২৩॥
সোঽনুসৃত্য মহাবাহুর্ধন্বী বর্ম্মী রথী ধ্বজী। শরৈর্বিধ্বস্য তাংশ্চৌরানবজিত্য চ তদ্ধনম্ ॥২৪॥
ব্রাহ্মণমুপাহৃত্য যশঃ প্রাপ্য চ পাণ্ডবঃ। ততস্তদ্গোধনং পার্থো দত্ত্বা তস্মৈ দ্বিজাতয়ে ॥২৫॥
আজগাম পুরং বীরঃ সব্যসাচী ধনঞ্জয়ঃ। সোঽভিবাদ্য গুরূন্ সর্ব্বান্ সর্ব্বৈশ্চাপ্যভিনন্দিতঃ ॥২৬॥
ধর্ম্মরাজমুবাচেদং ব্রতমাদিশ মে প্রভো। সময়ঃ সমতিক্রান্তো ভবৎসন্দর্শনে ময়া ॥২৭॥
বনবাসং গমিষ্যামি সময়ো হ্যেষ নঃ কৃতঃ। ইত্যুক্তো ধর্ম্মরাজস্তু সহসা বাক্যমপ্রিয়ম্ ॥২৮॥
কথমিত্যব্রবীদ্বাচা শোকার্ত্তঃ সজ্জমানয়া। যুধিষ্ঠিরো গুড়াকেশং ভ্রাতরমচ্যুতম ॥২৯॥

অধর্ম্মগী লমচৎ অসি জগত্তা লেংদনা লৈহৌরনি, পাপসু পুগনি ॥১৭॥ অতগা নিংথৌবু উশিত্তুনা ঐনা কুম অসিদা চংঙুরবসু খাশকমবা যানবা নিযম থুগাইবগী পাপ পুগনি ॥১৮॥ নিংথৌ অসিগী য়ুম অসিদা হেক চংলুরবদা ঐসু চহী তরানিথোই বন চৎপা তাই। অদুমত্তাযরে, মসি পুমনমক লৈরসু। নিংথৌবু উশিত্তবা অসিত নত্তনা অতৈ পূম্বদি ঐনা করিসু লৈত্তবনি হায়না খল্লি ॥১৯॥ অদু মত্তায়রে; নিংথৌবু থৌওই উশিত্তবগী অধর্ম্ম পাপ অদুসু চাওখৎবনি! চাওসু, অদুগা বনদা শিথ্রবস, সিথ্রসু, ফৈ, ধর্ম্মতবু অথোইবা ওইনা ঐনা ভাকদবনি ॥২০॥ অর্জ্জুননা অসুম্না মপুক্লিংদা লেপ্নরম্বনা যুধিষ্ঠীরগী ইমুংদা, অমুক্ত চংজরক্কে হায়না তাক্লমগা, চংখিদ্ধনা লীকং তেল লৌথোরক্তুনা মুংঙাইনা থোরক্তুনা, ব্রাহ্মণ অদদা হায়রকই—"ব্রাহ্মণ! লেংলসি, থুৎলৈ থুদবা য়'দে, পাপী হুরানবশিং অদুনা লাপথিক্রিদ্রেদো, ঐথোয় অনী থর থুনা চৎহৌসি, পাপী হুরানবশিং অদুগী মথুত্তুগী ব্রাহ্মণগী মরল অদো ঐ মুন্দুনা লৌহৌগে ॥২১—২৩॥

মপাম্বোম চাওরবা কললবা অর্জ্জুননা লীকং তেল, লালগী ফিজোল শেৎকত্তুনা ফিরাল য়াওবা রথ অমতা তোংখত্তুনা, হুরানবশিং অদুনা লৈরিবা মফম অদু তাম্ন চত্তুনা তেলতনা হুরানবশিং অদুবু নৈথায় তানথারদুনা, ব্রাহ্মণগী ধন অদু মুন্দুনা পুনিবক্তুনা অচৌবা মিংচৎ অর্জ্জুননা ফংখি, ব্রাহ্মণগী ধন অদু ব্রাহ্মণ অদদা পীরমলগা কোনুংদা থুনা য়াংনা হলকলে। মাকলগা অহল-লমন পুমনমকতা চংলকতুনা থুরম্মৈ, মরামনসু অর্জ্জুনবু থাগৎখি। অর্জ্জুননা যুধিষ্ঠিরদা হায়রকই—মহারাজ! প্রায়শ্চিত্ত তৌননবা য়াথং পীনখিরো। মরমদি, ঙসি ঐনা ইমুংদা য়াম্বুং মহারাজগা উনদুনা, নিয়ম অদু থুগাইরে ॥২৪—২৭॥ অমনা ঐ বন চচ্চখ্রগে। মরমদি ঐথোয়না নিয়ম অসি কনন লেপ-নহনা থমথ্রবনি। অর্জ্জুননা ফহৌদনা চংশিল্লকতুনা তাবা মুঙাইত্রবা বা অসি হেক হায়রবদা, থক্তোই শোকনা য়াথ্রবা যুধিষ্ঠিরনা য়াদৈ মচেৎ মচেৎনা অতনবা লৈত্রবা ধর্ম্ম চেল্লবা মনাও অর্জ্জুনদা বা অসি হায়রকই ॥২৮—২৯॥

উবাচ দীনো রাজা চ ধনঞ্জয়মিদং বচঃ । প্রমাণমস্মি যদি তে মত্তঃ শৃণু বচোঽনঘ ! ।।৩০।।
অনুপ্রবেশে যদ্বীর ! কৃতবাংস্থং মমাপ্রিয়ম্ । সর্ব্বং তদনুজানামি ব্যলীকং ন চ মে হৃদি ।।৩১।।
গুরোরনুপ্রবেশো হি নোপঘাতো যবীয়সঃ । যবীয়সোঽনুপ্রবেশো জ্যেষ্ঠস্য বিধিলোপকঃ ।।৩২।।
নিবর্ত্তস্ব মহাবাহো ! কুরুস্ব বচনং মম । নহি তে ধর্ম্মলোপোঽস্তি ন চ মে ধর্ষণা কৃতা ।।৩৩।।

অর্জ্জুন উবাচ ।

ন ব্যাজেন চরেদ্ধর্ম্মমিতি মে ভবতঃ শ্রুতম্ ! ন সত্যাদ্বিচলিষ্যামি সত্যেনায়ুধমালভে ।।৩৪।।

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

সোঽভ্যনুজ্ঞাপ্য রাজানং ব্রহ্মচর্য্যায় দীক্ষিতঃ । বনে দ্বাদশ বর্ষাণি বাসায়োপজগাম হ ।।৩৫।।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
অর্জ্জুনবনবাসেঽর্জ্জুনতীর্থযাত্রায়াং ষড়ধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ।।০।।

—:(০):—

যুধিষ্ঠীরনা হাখ্রদুনা অর্জ্জুনদা হায়— অর্জ্জুন ! নংনা ইয়াম্ববু থাজরবদি, নংগী নফমদা নয়াম্বা ঐ অসি থাজবা য়াবা মীশক অম ওইরবদি, ইয়াম্ব ব্রা হায়গে তাও ।।৩০।। অকনবা ! নংনা ওসি ঐগী য়ুমদা চংলক্লুনা ঐনা য়াদবা সুংঙাইতবা থবক তৌখ্রে, হায়রিবদো, ইয়াম্বদি মাদু লোইনা য়াই, ঐগী পুক্নিংদা সুংঙাইতবা শাওনিংবা করিমতা লৈতে ।।৩১।। মরমদি ময়াম্বগী ইমুংদা মনাওনা চংবদি দোষ-পাপ লৈতবনি , মাদুনা নিয়ম থুগাইবা থক থোক্কে; মনাওগী ইমুংদা ময়াম্ব চংলুরবদি নিয়ম থুগাইবা থোকই ।।৩২।। মরম অদুনা, ইবুঙো ! ভাইখো, তপথো, বন চংথিক্ক, ইয়াম্বনা হায়বা ইল্লু নহাকী ধর্ম্ম থক মাংবা লৈতে, ঐহাকপু উশিত্তবা হায়বস্থ থক তৌখিদে ।।৩৩।। অর্জ্জুননা হায়- মহারাজ ! নমথাক তৌদুনা ধর্ম্মগী থবক অমতা তৌরোইদৌবনি হায়বসি য়াম্বুংমক্তগী তাজবনি । অদুনা ঐ অচুম্বগী লীক্লমদগী হ্বাংম থক লাঞ্জরোই । অচুম্বা ধর্ম্ম অসিতা ভাক্লনবা ঐনা খুৎলায় পায়জরিবসিনি।।৩৪।। বৈশম্পায়ননা হায়খিঅসিগী তুংদা অর্জ্জুননা যুধিষ্ঠিরদগী য়াথং লৌদুনা ব্রহ্মচর্য্যদা চংদুনা চহীতরা নিথোইগীদমক বন চংখি ।।৩৫।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা অর্জ্জুনতীর্থযাত্রাগী মতাংদা চনী তরুকশুবা অধ্যায় লোইরে ।।০।।

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(অর্জ্জুনগা উলুপীগা উনবা মতাং)

(চনি তরেশুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তং প্রয়ান্তং মহাবাহুং কৌরবাণাং যশস্করম্। অনুজগ্মুর্মহাত্মানো ব্রাহ্মণা বেদপারগাঃ ॥১॥
বেদবেদাঙ্গবিদ্বাংসস্তথৈবাধ্যাত্মচিন্তকাঃ। ভৈক্ষাশ্চ ভগবদ্ভক্তাঃ সূতাঃ পৌরাণিকাশ্চ যে ॥২॥
কথকাশ্চাপরে রাজন্! শ্রমণাশ্চ বনৌকসঃ। দিব্যাখ্যানানি যে চাপি পঠন্তি মধুরং দ্বিজাঃ ॥৩॥
এতৈশ্চান্যৈশ্চ বহুভিঃ সহায়ৈঃ পাণ্ডুনন্দনঃ। বৃতঃ শ্লক্ষ্ণকথৈঃ প্রায়ান্মরুদ্ভিরিব বাসবঃ ॥৪॥
রমণীয়ানি চিত্রানি বনানি চ সরাংসি চ। সরিতঃ সাগরাংশ্চৈব দেশানপি চ ভারত! ॥৫॥
পুণ্যান্যপি চ তীর্থানি দদর্শ ভরতর্ষভঃ। স গঙ্গাদ্বারমাসাদ্য নিবেশমকরোৎ প্রভুঃ ॥৬॥
তত্র তস্যাদ্ভুতং কর্ম্ম শৃণু ত্বং জনমেজয়!। কৃতবান্ যদ্বিশুদ্ধাত্মা পাণ্ডুনাং প্রবরো হি সঃ ॥৭॥
নিবিষ্টে তত্র কৌন্তেয়ে ব্রাহ্মণেষু চ ভারত!। অগ্নিহোত্রাণি বিপ্রাস্তে প্রাদুশ্চক্রুরনেকশঃ ॥৮॥
তেষু প্রবোধ্যমানেষু জ্বলিতেষু হুতেষু চ। কৃতপুষ্পোপহারেষু তীরান্তরগতেষু চ ॥৯॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— কুরু শাগৈগী মিংচৎ চাউথৎনবগী মশক ওইরবা কল্লবা অর্জ্জুননা বন্দা চৎখ্রবদা, বেদ খংলবা, হৈরবা, পুকচেল চাওরবা, ব্রাহ্মণশিংনা মহাক্কী মতুং ইল্লখি ॥১॥ বেদ হৈরবা, বেদাঙ্গ লোইনা খংলবা, ব্রহ্ম মশক খংলবা, সন্ন্যাসী, বৈষ্ণব, স্তুতি পাঠ হৈবা, পুরাণগী ৱারি লীবা, ৱারি-শিংবুল হৈবা ইন্দ্রিয় থুহ্ম চল্লবা বনদা লৈবা, ভাইবঙ্গা ওইদবা, লাইরমলেনগী ৱারি লীবা, মপুকচেল শেংলবা, ৱাহৈ ৱাতা নৌরবা হৈরবা, থোংলোয় কগানা ইকোই কোয়শিল্লহনা লাইয়ামখিবিক্ক কোইশিল্লবা দেবরাজ ইন্দ্রনা তৌবগুম্না অর্জ্জুননা বনদা খোং শাম্বোরকই ॥২—৪॥ মহাক্কা চৎন চৎনা পুক্লিং হুননবগী মশক ওইরবা অঙক অঙকপা নিংথিজরবা বন, পুখ্রী, তুরেল সমুদ্র, দেশ অতৈ অতৈ অমসুং শেংল শেংলবা তীর্থ কয়া উখি; কোম্বংদা গঙ্গাদ্বারদা চৎতুনা আশ্রম অমা শেমগৎতুনা লেখি ॥৫—৬॥ মহারাজ জনমেজয়! মপূকচেল মক্ক বা পাণ্ডবশিংগী মন্নুংদা অখোইবা ওইরবা অর্জ্জুননা আশ্রম অদুদা লৈহুনা তৌখিবা অঙকপা থবক পুক্কক অদো মথং শিংনা লীগে তাবিয়ু ॥৭॥ অর্জ্জুন অমদি ব্রাহ্মণশিংনা আশ্রম অদুদা লৈরহুনা ব্রাহ্মণশিং অদুনা যজ্ঞলিং-খৎলক্লে ॥৮॥ মন্ত্র পাঠ তৌহনা যজ্ঞগী মৈ থাগৎলি, মৈ অদুনা চাকথৎলক্লবদা, হোম তৌরক্লে, অগ্নিকুণ্ডদা লৈনচিংবা শংশিল্লকই, মৈগী মৈরী মতামদা অসোম থংবা তোর্বান ফাউবা শল্লোকখি। মরম মদুনা শাস্ত্রগী জাননা শেংদোক্লবা, তপস্যা কল্লবা, অকনবা লমীবা চৎনবা জ্ঞান লৈরবা পুকচেল

কৃতাভিষেকৈর্বিদ্বদ্ভির্নিয়তৈঃ সৎপথে স্থিতৈঃ। শুশুভেঽতীব তত্রাজন্! গঙ্গাদ্বারং মহাত্মভিঃ ॥১০॥
তথা পর্য্যাকুলে তস্মিন্ নিবেশে পাণ্ডবর্ষভঃ। অভিষেকায় কৌন্তেয়ো গঙ্গামবততারহ ॥১১॥
তত্রাভিষেকং কৃত্বা স তর্পয়িত্বা পিতামহান্। উত্তিতীর্ষুর্জলাত্রাজন্নগ্নিকার্য্যচিকীর্ষয়া ॥১২॥
অপকৃষ্টো মহাবাহুর্নাগরাজস্য কন্যয়া। অন্তর্জলে মহারাজ! উলূপ্যা কাময়ানয়া ॥১৩॥
দদর্শ পাপবস্তত্র পাবকং সুসমাহিতঃ। কৌরব্যস্যাথ নাগস্য ভবনে পরমার্চ্চিতে ॥১৪॥
তত্রাগ্নিকার্য্যং কৃতবান্ কুন্তীপুত্রো ধনঞ্জয়ঃ। অশঙ্কমানেন হুতস্তেনাতুষ্যদ্ধুতাশনঃ ॥১৫॥
অগ্নিকার্য্যং স কৃত্বা তু নাগরাজসুতাং তদা। প্রহসন্নিব কৌন্তেয় ইদং বচনমব্রবীৎ ॥১৬॥
কিমিদং সাহসং ভীরু! কৃতবত্যসি ভাবিনি!। কশ্চায়ং সুভগো দেশঃ কা চ ত্বং কস্য বাত্মজা ॥১৭॥

উলূপ্যুবাচ।

ঐরাবতকুলে জাতঃ কৌরব্যো নাম পন্নগঃ। তস্যাস্মি দুহিতা বীর! উলূপী নাম পন্নগী ॥১৮॥
সাহং ত্বামভিষেকার্থমবতীর্ণং সমুদ্রগাম্। দৃষ্ট্বৈব পুরুষব্যাঘ্র! কন্দর্পেণাস্মি পীড়িতা ॥১৯॥
তাং মামনঙ্গগ্নপিতাং ত্বংকৃতে কুরুনন্দন!। অনন্যাং নন্দয়স্বাদ্য প্রদানেনাত্মনো রহঃ ॥২০॥

চাউরবাশিং অহুনা গঙ্গা দ্বার কৌবা তীর্থ অতুগী থোইদোক্লা নিংথিথি ॥৯—১০॥ আশ্রম অদু সাধু মহাত্মাশিংনা থল্লা লৈরম্মি, নোংমা অর্জ্জুননা ইকজগে হায়দুনা গঙ্গাদা কুমথখি ॥১১॥ মহাক্লা মফম অদুদা স্নান তৌরগা পিতৃলোকগী তর্পণ তৌগে হায়দুনা ঈশিংদগী কাখৎলক্কে হায়দুনা হেক ভৌরকপা তম অদুদা নিপা উননিংবগী কল্লবা মৈচাক খাংগমত্রবী উলূপী হায়না কৌবী লিলগী শাগৈদা পোক্লবী কন্যা অমনা থোরক্তুনা অর্জ্জুনবু ঈশিং মনুংদা চিংখ্রনা পুখ্রে ॥১২—১৩॥ অর্জ্জুননা কৌরব্য কৌবা নাগ বংশগী, নিংথৌগী ভক অহেল্লবা য়ুমজাউ অদুদা চৎখিদুনা থাগৎলব্বা যজ্ঞগী ম অদু উকরে ॥১৪॥ থাগৎলব্বা যজ্ঞগী মৈ অদুদা অর্জ্জুননা হোম তৌকরে। পুক্লিংদা অকিবা টংনবা করিমতা লৈতনা হোম তৌরবা অদুদা অগ্নিদেবনা থোইদোক্লা পেনখি ॥১৫॥ অর্জ্জুননা তৌবা লোয়বা অদুদা নোকমি নোকমি তৌরদুনা উলূপীনা হায়রকই ॥১৬॥

কঞ্জবী! নংবু কনানো? অশুক নথৌনা লৈনবু
ঐবু করিগী পুরক্লি? নিংথিজরবা লম অসিগী মমিংবু,
করি কৌবগে শকহেনবী! ইবেম্মা নংনা কনানো?
কনানা পোকপী কন্যানো? ॥১৭॥

উলূপীনা হায়রকই—

ঐরাবত শাগৈদা পোক্লবা কৌরব্য কৌবা লিল অদুগী
মচানুপীনি ঐহাক্তি। উলূপী কৌই ইমিংনা
নাগ বংশদা পোকপীনি ॥১৮॥ নিপারঙ্গগী অথোইবা!
ইকজগে হায়দুনা, লাইজনুংদা কুমথরকপদা, মিথোইবা মহাকপু উজরুবদা,
অপাম্ম সুংশিগী ভেঙ্গিমাং থয়োইদা খুঙ্গা পানখিদো ॥১৯॥
কুরু শাগৈগী অথোইবা! নংগী মাহ্রথোং উবদা

অর্জ্জুন উবাচ।

ব্রহ্মচর্য্যমিদং ভদ্রে! মম দ্বাদশবার্ষিকম্। ধর্ম্মরাজেন নির্দ্দিষ্টং নাহমস্মি স্বয়ং বশঃ ॥২১॥
তব চাপি প্রিয়ং কর্ত্তুমিচ্ছামি জলচারিণি!। অনৃতং নোক্তপূর্ব্বঞ্চ ময়া কিঞ্চন কর্হিচিৎ ॥২২॥
কথঞ্চ নানৃতং তৎ স্যাত্তব চাপি প্রিয়ং ভবেৎ। ন চ পীড্যেত মে ধর্ম্মস্তথা কুর্য্যাং ভুজঙ্গমে! ॥২৩॥

উলূপ্যুবাচ।

জানাম্যহং পাণ্ডবেয়! যথা চরসি মেদিনীম্। যথা চ তে ব্রহ্মচর্য্যমিদমাদিষ্টবান্ গুরুঃ ॥২৪॥
পরস্পরং বর্ত্তমানান্ দ্রুপদস্যাত্মজাং প্রতি। যো নোঽনুপ্রবিশেন্মোহাৎ স বৈ দ্বাদশবার্ষিকম্ ॥২৫॥

অপ্যাম যুংশিগী লাইদুনা, কামদেব কৌবনা
থমোইদা অব্বাবা পীখরে খাংবমক্তা ৱুমজদে,
ইপূৱোইবা ঐগী লৈজত্রী। মিচীক মিরাউখোল তাত্রবা
অচৌকপা মকম অসিদা, কনাগী মথা পোত্রীবী,
উলুপী ঐগী ইফমদা নশাবু পীথোক পীহ্নন্।
ঐবু পেলহলবীরস্সু ॥২০॥

অর্জ্জুননা হায়—

কজবী! অমুক্ত তাখো, নং, য়াম্বুং নিংথৌ যুধিষ্ঠীরনা
চহি তরানিথোই চুপবু ব্রহ্মচারী ওইহ্নুনা, বনদা চৎলু হায়রহনা,
ঐত্তোন্দা য়াথং পীখিদ্রে, ইনিংতরা লৈজবা, নিপা নত্তে ঐহাক্তি,
মিথা পোনবা অর্জ্জুননি ॥২১॥
নংনা নীংবা থুংনবা, নংনা হায়বা য়াগে থম্রি।
অতুবু মমাংতৈদগী ঐহাক্তি, ওসি কাউবা অসিদা,
মিনবা অমত্তম্ তংলক্তি, ব্রহ্মচর্য্য কায়নিংদ্রে ॥২২॥
নাগ বংশগী কন্যা ও! মতৌ করম ত্তৌরগা,
মিনবস্তু থোক্তবা, ধর্ম্মসু থোইনা কায়দবা,
নংগী নিংবস্তু থুংজবা, অমসু অমসু কায়দনবা,
পাম্বে অমতদি হায়যুদনা; অত্তু ওইরবদি য়ায়গে ॥২৩॥

উলুপীনা হায়—

পাণ্ডু শাগেগী অথোইবা! পৃথিবী মথক পুম্বদা
কোইচৎ চত্নুনা লৈমিবা, করিগীমক্তা চৎলিবা,
"করবা" হায়ত্তরগী নহারা, ময়ামুং য়াথং পুহনা,
ব্রহ্মচারী ওইহ্নুনা, বনদা কোইচৎ চৎহনবা,
অসি পুরমক থংজিদ্রে, উলুপী কৌবী ঐহাক্তি ॥২৪॥

মথোয় পাণ্ডব মভাগী মনুংদা কনাগুম্বা অমনা দ্রৌপদীগা লোয়ননা তৌমিন্নরিঙৈ মতম্ অমদা,

বনে চরেদ্ ব্রহ্মচর্য্যমিতি বঃ সময়ঃ কৃতঃ। তদিদং দ্রৌপদীহেতোরন্যোন্যস্য প্রবাসনম্ ॥২৬॥
কৃতবাংস্তত্র ধর্ম্মার্থমত্র ধর্ম্মো ন দুষ্যতি। পরিত্রাণঞ্চ কর্ত্তব্যমার্ত্তানাং পৃথুলোচন ॥২৭॥
কৃত্বা মম পরিত্রাণং তব ধর্ম্মো ন লুপ্যতে। যদি বাপ্যস্য ধর্ম্মস্য সূক্ষ্মোঽপি স্যাদ্ব্যতিক্রমঃ ॥২৮॥
স চ তে ধর্ম্ম এব স্যাদ্দত্ত্বা প্রাণান্ মমার্জ্জুন!। ভক্তাঞ্চ ভজ মাং পার্থ! সতামেতন্মতং প্রভো ॥২৯॥
ন করিষ্যসি চেদেবং মৃতাং মামুপধারয়। প্রাণদানান্মহাবাহো! চর ধর্ম্মমনুত্তমম্ ॥৩০॥
শরণঞ্চ প্রপন্নাস্মি ত্বামদ্য পুরুষোত্তম!। দীনাননাথান্ কৌন্তেয়! পরিরক্ষসি নিত্যশঃ ॥৩১॥
সাহং শরণমভ্যেমি রোরবীমি চ দুঃখিতা। যাচে ত্বাঞ্চাভিকামাহং তস্মাৎ কুরু মম প্রিয়ম্।
স ত্বমাত্মপ্রদানেন সকামাং কর্ত্তুমর্হসি ॥৩২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তস্তু কৌন্তেয়ঃ পন্নগেশ্বরকন্যয়া। কৃতবান্ সর্ব্বং সর্ব্বমুদ্দিশ্য কারণম্ ॥৩৩॥
স নাগভবনে রাত্রিং তামুষিত্বা প্রতাপবান্। উদিতেঽভ্যুত্থিতঃ সূর্য্যে কৌরব্যস্য নিবেশনাৎ ॥৩৪॥

নখোয়গী মবক্তা অতৈ অতোপ্পা অমনা মপূকচেল ফাবা ভূমদবদগী, ইমুং অহমক্তুদা চংলুরবদি, চহি তরানিথোই চুপ্পা মুপী মশক য়েংদনা বনদা কোইচৎ চত্তুন', ব্রহ্মচর্য্য ভাক্লুবা নিয়ম অমা লৈ হাযবসি ঐ থংঙি। মরম অহুনা নখোয় মশেল অমগা অমগা ব্রহ্মচারী ওইদুনা অসিগুম্বা নিয়ম অসি ভাক্লুরিবসি দ্রৌপদীগী মরমদনি অতৈ মুপীগী মরমদা নত্তে। অদুনা ঐনা তিন্নি খোৎনবদা নহাক্কী ধর্ম্মদা অমাংবা করিমতা লৈতে। অসিগী মথক্তা অমনা কনাগুম্বা অমগী চৈনাখোন্দগী কনবা হাযবা অসিসু ক্ষত্রিয় নহাক্কী নথৌনি ॥২৫—২৭॥ অসিদি লাইরদুনা ঐগী তিন্নবা অসিদা করিগুম্বা নহাক্কী ধর্ম্মদা অমাংবা লৈরবসু অম্বাবা তাববী মুপী ঐহাকপু কনবীবদা ধর্ম্মদা করিমতা অমাংবা লৈরোই ॥২৮॥ অর্জ্জুন! ঐগী থবাই কনবিববদি অচোবা ধর্ম্ম অমা ওইগনি। অদুগা বা অমসু হায়গে, ঐদি নহাক্কী ভক্ত অমনি, অদুনা নহাকসু ঐভোন্দা পূক্নিং চংবিয়ু, মাসিমক সাধু মহাত্মাশিংনা চংনবা লম্বীনি ॥২৯॥ অহুগা নহাক্না ঐগী নীংবা অসি থুংহনবিগ্রবদি ঐদি হৌজিমক থবাই থারগদবনি, মাসি শোয়দ্রবনি, থাজবিয়ু। অদুনা ভসি ঐগী থবাই অসি কনবিরদুনা অচোবা ধর্ম্ম অসি তানবিহৌ ॥৩০॥ হে নিপা অথোইব! ভসি ঐনা নহাক্কী নক্মদা থবাই কনবিয়ু হায়না চংজরি, মরমদি নহাক অসি মতম লৈব খিবিক্ত চংজফম লৈত্রবা তোপ্লবা জীবশিংতা ভাকপি কনবিদুনতা লাক্লিবনি ॥৩১॥

চংজরি নভোন্দ ভসি ঐ, হয় হয় হায়জরি, ঐগী নীংজব থুংহল্লু।
অপাম মুংশিগী মৈচাক্লা, হায়দুনা হায়জবনি। নীংজরিবসিজদি থুংহনবিরম্মু।
নোংমতং ঐভোন্দা নশা পীথোক্তুনা নীংজরিবসে থুংহল্লু ॥৩২॥

বৈশম্পায়ননা হায়— উলুপীনা অসি য়ৌন হায়জরবা মতমদা, অর্জ্জুননা ধর্ম্মগী দমক্তনি খল্লুনা উলুপীনা হায়জবা মতুংইন্না উলুপীগা মথল মথা য়াম্না শান্নিন্নখি ॥৩৩॥ অর্জ্জুননা নাগ রাজসী মমুদা অহিং অদু লেপ্পুনা, নোংভাল্লগা, মুমিৎ থোরকপদা, উলুপীগা লোয়ননা নাগরাজগী ইমুংদগী থোন্নকুনা রাজধানীদা ত্তাজ চৎখি। মতম অদুদা উলুপীনা অর্জ্জুনদা বর পীরকই।

আগতস্তু পুনস্তত্র গঙ্গাদ্বারং তয়া সহ। পরিত্যজ্য গতা সাধ্বী উলূপী নিজমন্দিরম্ ॥৩৫॥
দত্ত্বা বরমজেয়ত্বং জলে সর্বত্র ভারত! সাধ্যা জলচরাঃ সর্বে ভবিষ্যন্তি ন সংশয়ঃ ॥৩৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি
অর্জুনবনবাসে উলূপীসঙ্গে সপ্তাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০।

—(০)—

"ভরত শাগেগী অথোইবা! কনান নহাকপু ঈশিংদা, মায়থিব পীব ওমলসনু।
ঈশিং নৈব পুন্নমক, অচৌ অপিশক থায়দনা, নহাকী নথা পোনসনু,
চিংনবা করিমতা তৌগনু।"

উলূপীনা অসুম্বা অর্জুনদা বর পীরগা, মুনিশিংগী মরক্তা থিনজিন্নমলগা ময়মদা চৎখি ॥৩৬॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতভা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্বদা অর্জুন বনবাসগী মনুংদা উলূপীসঙ্গ কৌবা চনীগা অরেৎ শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম

(অর্জুনগী বনবাসগী মতমদা চিত্রাঙ্গদাগা উনবগী ৱারী হৌবা)

(চনী নিপাল শুবা অধ্যায়)

——:(০):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

কথয়িত্বা চ তৎ সর্বং ব্রাহ্মণেভ্যঃ স ভারতঃ। প্রযযৌ হিমবৎপার্শ্বং ততো বজ্রধরাত্মজঃ ॥১॥
অগস্ত্যবটমাসাদ্য বশিষ্ঠস্য চ পর্বতম্। ভৃগুতুঙ্গে চ কৌন্তেয়ঃ কৃতবান্ শৌচমাত্মনঃ ॥২॥
প্রদদৌ গোসহস্রাণি সুবহূনি চ ভারত!। নিবেশাংশ্চ দ্বিজাতিভ্যঃ সোঽদদৎ কুরুসত্তমঃ ॥৩॥ .
হিরণ্যবিন্দোস্তীর্থে চ স্নাত্বা পুরুষসত্তমঃ। দৃষ্টবান্ পাণ্ডবশ্রেষ্ঠঃ পুণ্যান্যায়তনানি চ ॥৪॥
অবতীর্য্য নরশ্রেষ্ঠো ব্রাহ্মণৈঃ সহ ভারত! প্রাচীং দিশমভিপ্রেপ্সুর্জগাম ভরতর্ষভঃ ॥৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়—অর্জুননা থৌদোক পুন্নমক ব্রাহ্মণশিংদা তমলগা, অসিগী তুংদ, হিমালয় চীং লোমদা চৎখি ॥১॥ অর্জুননা অগস্ত্যবট, বশিষ্ঠপর্বত অমসুং ভৃগুনাথ কৌবা তীর্থদা চত্নুরা মশাগীসেংদোকখি ॥২॥ মহাক্না চৎলু-চৎলুবা মফম পুন্নমক্তা ব্রাহ্মণশিংদা যণ ময়াম অমসুং মঙ্গল মকৈ শাবদা ওক্নবা লম্নুম স্নাত্বা দান তৌখি ॥৩॥ অদুগী মথংদা অর্জুননা হিরণ্যবিন্দু কৌবা তীর্থদা চত্নুরা, মাহদা স্নান তৌরগা শেংলবা ফজরবা তীর্থ মফম কয়া দর্শন তৌখি ॥৪॥ অদুগী তুংদা ব্রাহ্মণশিংগা লোয়ননা হিমালয়দগী কুমথরক্নুরা তীর্থ অতৈ অতৈদা চৎকে থনুনা, নোংপোক

আনুপূর্ব্ব্যেণ তীর্থানি দৃষ্টবান্ কুরুসত্তমঃ। নদীঞ্চোৎপলিনীং রম্যামরণ্যং নৈমিষং প্রতি ॥৬॥
নন্দামপরনন্দাঞ্চ কৌশিকীঞ্চ যশস্বিনীম্। মহানদীং গয়াঞ্চৈব গঙ্গামপি চ ভারত! ॥৭॥
এবং সর্ব্বাণি তীর্থানি পশ্যমানস্তথাশ্রমান্। আত্মনঃ পাবনং কুর্ব্বন্ ব্রাহ্মণেভ্যো দদৌ বসু ॥৮॥
এবং সর্ব্বাণি তীর্থানি পশ্যমানস্তথাশ্রমান্। আত্মনঃ পাবনং কুর্ব্বন্ ব্রাহ্মণেভ্যো দদৌ বসু ॥৮॥
অঙ্গবঙ্গকলিঙ্গেষু যানি তীর্থানি কানিচিৎ। জগাম তানি সর্ব্বাণি তীর্থান্যায়তনানি চ ॥৯॥
দৃষ্ট্বা চ বিধিবত্তানি ধনঞ্চাপি দদৌ ততঃ। কলিঙ্গরাষ্ট্রদ্বারে তু ব্রাহ্মণাঃ পাণ্ডবানুগাঃ।
অভ্যনুজ্ঞায় কৌন্তেয়মুপাবর্ত্তন্ত ভারত! ॥১০॥
স তু তৈরভ্যনুজ্ঞাতঃ কুন্তীপুত্ত্রো ধনঞ্জয়ঃ। সহায়ৈরল্পকৈঃ শূরঃ প্রযযৌ যত্র সাগরঃ ॥১১॥
স কলিঙ্গানতিক্রম্য দেশানায়তনানি চ। বনানি রমণীয়ানি প্রেক্ষমাণো যযৌ প্রভুঃ ॥১২॥
মহেন্দ্রপর্ব্বতং দৃষ্ট্বা তাপসৈরুপশোভিতম্। সমুদ্রতীরেণ শনৈর্মণিপুরং জগাম হ ॥১৩॥
তত্র সর্ব্বাণি তীর্থানি পুণ্যান্যায়তনানি চ। অভিগম্য মহাবাহুরভ্যগচ্ছন্মহীপতিম্ ॥১৪॥
মণিপূরেশ্বরং রাজন্! ধর্ম্মজ্ঞং চিত্রবাহনম্। তস্য চিত্রাঙ্গদা নাম দুহিতা চারুদর্শনা ॥১৫॥
তাং দদর্শ পুরে তস্মিন্ বিচরন্তীং যদৃচ্ছয়া। দৃষ্ট্বা চ তাং বরারোহাং চকমে চৈত্রবাহনীম্ ॥১৬॥
অভিগম্য চ রাজানমবদৎ স্বং প্রয়োজনম্। দেহি মে খল্বিমাং রাজন্! ক্ষত্রিয়ায় মহাত্মনে ॥১৭॥
তচ্ছ্রুত্বা ত্বব্রবীদ্রাজা কস্য পুত্ত্রোঽসি নাম কিম্। উবাচ তং পাণ্ডবোঽহং কুন্তীপুত্ত্রো ধনঞ্জয়ঃ ॥১৮॥

পাংনা মায়ওল্লকই ॥৫॥ লম্বীদা মহাক্না নৈমিষারণ্যদা উৎপলিনী কৌবা পুক্লিং হুনাফজরবা তুরেল, অদুগী তুংদা, মথংশীৎনা নন্দা, উপনন্দা কৌশিকী, মহানদীফন্ত্র অমসুং গঙ্গা, অদুদগী গযা তীর্থ য়ৌখি ॥৬—৭॥ মতৌ অসুম্না অর্জ্জুননা তীর্থ পুম্নমক, আশ্রম পুম্নমক চত্তুনা দর্শন তৌতুনা মশাগী থৱাই হকচাং শেংদোক্তুনা ব্রাহ্মণশিংদা লন্তুম য়ামনা দান তৌখি ॥৮॥ অসিগী তুংদা, অঙ্গ, বঙ্গ, দেশশিং অসিদা হেক লৈরিবা তীর্থ পুমনমক, দেবালয় ময়াম, সিদ্ধ ওইখরবা যোগী মুণি কয়াগী আশ্রমদা চৎখি ॥৯॥ বিধি কায়দনা পুমনমক অসি দর্শন তৌরগা লন্তুম ময়াম য়েল্লম্মি, অদুগী তুংদা, ইমরক্লিবা ব্রাহ্মণশিং অদুদা কলিঙ্গ দেশগী য়ৌরমদাই অম্বাইদগী অর্জ্জুনদগী বিদায় লৌরগা হন্নখি ॥১০॥

অদুদগী, ব্রাহ্মণশিংগী য়াথং লৌহনা কুন্তীগী মচা ধনঞ্জয় অর্জ্জুনা খোংলোয় থরক্ত পুতুনা, সমুদ্র মপাল নকপা দেশদা চৎখি ॥১১॥ মহাকনা কলিঙ্গ দেশ অমসুং লম অদুদা লৈরিবা লাইশং মন্দির অদুগা সিদ্ধ ওইখরবা মুনিশিংগী আশ্রম কয়া লানথোরক্তুনা, ফজ-ফজরবা উমং কয়া য়েং-য়েংদুনা লাকই ॥১২॥ তপস্বী খিবিকনা লৈতেংলবা মহেন্দ্র পর্ব্বত য়েংলগা সমুদ্রগী মপাল-মপান্দ তপনা-তপনা লাক্তুনা মনিপুর য়ৌখি ॥১৩॥ মনিপুরগী মনুংদা লৈবা তীর্থ ময়াম অমসুং শেংলবা নীংথিজরবা মফম কয়াদা য়ৌরুরগা মনিপুরগী চিত্রবাহন কৌবা ধর্ম্ম চেল্লবা নিংথৌগী মনাক্ত থুংখি। নিংথৌ অসিগী চিত্রাঙ্গদা হায়না কৌবা মশক মতৌ য়ামনা ফজরবী মচা নুপী অমা লৈরম্মি ॥১৪—১৫॥ চিত্রাঙ্গদানা কোম্নুং মনুং অদুদা হুরৎহন্দা কোয়চৎ চত্তুনা লৈরিঙৈ তাঙ্গা অদুদা, লাইবী নোংদমদগী অর্জ্জুননা মহাকপু হেক উত্নরে, হেক উবদা অর্জ্জুনগী থম্মোইদা অপাম্বা, মুংশিবা পোকখি ॥১৬॥ অদুগী তুংদা অর্জ্জুননা নিংথৌ চিত্রবাহনগী মনাক্ত মশামক চৎথিরুনা মানা লাকপগী মরম অসু হায়রকই—মহারাজ! ঐহাক্তি ক্ষত্রিয়নি, অকক্না শাগৈদা পোকপনি; অদুনা ঐহোক্দা মচা ইবেম্মা অসি পীনবিয়ু ॥১৭॥ মাহাক্ত তাবদা নিংথৌনা হায়রকই—নহাক কননা

তমুবাচাথ রাজা স সান্ত্ব পূর্বমিদং বচঃ । রাজা প্রভঞ্জনো নাম কুলেহস্মিন্ সম্বভূব হ ।।১৯।।
অপুত্রঃ প্রসবেনার্থী তপস্তেপে স উত্তমম্ । উগ্রেণ তপসা তেন দেবদেবঃ পিনাকধৃক ।।২০।।
ঈশ্বরস্তোষিতঃ পার্থ ! মহাদেব উমাপতিঃ । স তস্মৈ ভগবান্ প্রাদাদেকৈকং প্রসবং কুলে ।।২১।।
একৈকঃ প্রসবস্তস্মাদ্ভবত্যস্মিন্ কুলে সদা । তেষাং কুমারাঃ সর্ব্বেষাং পূর্ব্বেষাং মম জজ্ঞিরে ।।২২।।
একা চ মম কন্যেয়ং কুলস্যোৎপাদনী ভৃশম্ । পুত্রো মমায়মিতি মে ভাবনা পুরুষর্ষভ ! ।।২৩।।
পুত্রিকাহেতুবিধিনা সংজ্ঞিতা ভরতর্ষভ ! । তস্মাদেকঃ সুতো যোহস্যাং জায়তে ভারত ত্বয়া ।।২৪।।
এতচ্ছুল্কং ভবত্বস্যাঃ কুলকৃজ্জায়তামিহ । এতেন সময়েনেমাং প্রতিগৃহ্ণীষ পাণ্ডব ।।২৫।।
স তথেতি প্রতিজ্ঞায় তাং কন্যাং প্রতিগৃহ্য চ । উবাস নগরে তস্মিংস্ত্রিঃ কুন্তীসুতঃ সমাঃ ।।২৬।।
তস্যাং সুতে সমুৎপন্নে পরিষজ্য বরাঙ্গনাম্ । আমন্ত্র্য নৃপতিং তস্থ জগাম পরিবর্ত্তিতুম্ ।।২৭।।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
অর্জ্জুনবনবাসে চিত্রাঙ্গদাসংগ্রহে ষ্টাধিকদ্বিশততমোহধ্যায় ।০।।

———০:০:———

পোকপনো ? নমিং করি কৌই ? অর্জ্জুননা খুম্মি—ঐ পাণ্ডুগী মচানি, কুন্তীনা পোকপনি, ঐগী মিংনা ধনঞ্জয় কৌই ।।১৮।। অদুগী তুংদা নিংথৌনা য়ামনা তপনা অর্জ্জুনদা হ্বা অসি হায়রকই—বংশ অসিদা প্রভঞ্জন হায়না কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মি ।।১৯।।

মহাক অসি মচা পোক্তে অদুনা মচা ফংগে হায়বগী দমক অকনবা তপস্যা তৌখি। মহাকী অকনবা তপস্যা অদু উবদা পেনখ্রুনা মহাদেবনা মঙোন্দা বর অসি পীখি-- নথোয়গী শাগৈদা নিপা অমমমগী শোয়দনা নচা অমমম পোক্কনি ।।২০—২১।। অদুনা থাইন অা মমাংঙৈদগী হৌনা ঐথোয়গী বংশ অসিদা পোবপা মথৈগী মচা অমমমদি ইপোক পোক্তুনা লাক্লি। অদুদা ঐগী মমাংঙৈগী ইবুধৌ অহল লমনশিংদি মচা নিপা অমমমদি শোয়দনা পোকখি ।।২২।। অদুবু ঐগীদি ইচা নুপী অসিমত্ত মপোক্রে, মহাক অসিনা ঐগী শাগৈবু মুত্তনবা ঙাকদৌরিবনি। অদুনা নুপীনিদি হায়রগা ইচাসে ইচানিপানি হায়না খঞ্জদুনা থমলিবনি ।।২৩।। অদুনা ঐগাক্লা ইচানুপীসিবু পিবা ওইননবা "পুত্রিকাপুত্র" হায়বা মচানিপা অদু ওইননবা শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা যজ্ঞ লিংখত্তুনা লৈখ্রবনি। অদুদগী হৌনা মহাক অসি ইচানুপী ওইখিদ্রে, ইচানিপা ওইদুনা লাক্লিবনি। মরম অদুনা অর্জুন। মহাকী গর্ভদা নহাকী পোকদৌরিবা নচা অদুনা ঐগী শাগৈ অসিগী পিবা ওইহৌবা, মাসি হ্বাশক্তুনা য়ারবদি ইচা নুপীসিবু লৌবা লুহোংবগী মমল হায়বদু অদুম্মক মওইরো, অদুনা মাসি হ্বাশক্লগা ইচা নুপী অসি লৌ ।।২৪—২৫।। "মাহমক তৌজগনি" অমুম হায়না য়াদুনা অর্জ্জুননা চিত্রাঙ্গদাবু লুহোংদুনা লৌখি, অর্জ্জুননা কোম্নুংদা চহী অহুম চুপ্প লৈরম্মি ।।২৬।। অদুগী তুংদা চিত্রাঙ্গদাগী গর্ভদা মচা নিপা অম পোকখি, অর্জ্জুননা মচা অদুবু চুপ্পম কোম্নমলগা নিংথৌগী মখল্দগী বিদায় লৌদুনা লম কোয়বা চৎখি ।।২৭।।

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেখা সংহিতা আদি-পর্ব্বদা অর্জ্জুনগী বনবাসদা "চিত্রাঙ্গদাসংগ্রহ" কৌবা চনীনিশুমরু তরবা অধ্যায় লোইরে ।।০।।

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম্

(কুন্তীর ওন্দুনা নৈরঙ্মা অপ্সরাবু লানকিবা)

(চনি মাপন শুবা অধ্যায়)

—:(০):—

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ততঃ সমুদ্রে তীর্থানি দক্ষিণে ভরতর্ষভঃ । অভ্যগচ্ছৎ সুপুণ্যানি শোভিতানি তপস্বিভিঃ ॥১॥
বর্জয়ন্তি স্ম তীর্থানি পঞ্চ তত্র তু তাপসাঃ । অবকীর্ণানি যান্যাসন্ পুরস্তাত্তু তপস্বিভিঃ ॥২॥
অগস্ত্যতীর্থং সৌভদ্রং পৌলোমঞ্চ সুপাবনম্ । কারন্ধমং প্রসন্নঞ্চ হয়মেধফলঞ্চ তৎ ॥৩॥
ভারদ্বাজস্য তীর্থন্তু পাপপ্রশমনং মহৎ । এতানি পঞ্চ তীর্থানি দদর্শ কুরুসত্তমঃ ॥৪॥
বিবিক্তান্যুপলক্ষ্যাথ তানি তীর্থানি পাণ্ডবঃ । দৃষ্ট্বা চ বর্জ্যমানানি মুনিভির্ধর্মবুদ্ধিভিঃ ॥৫॥
তপস্বিনস্ততোঽপৃচ্ছৎ প্রাঞ্জলিঃ কুরুনন্দনঃ । তীর্থানীমানি বর্জ্যন্তে কিমর্থং ব্রহ্মবাদিভিঃ ॥৬॥

তাপসা উচুঃ ।

গ্রাহাঃ পঞ্চ বসন্ত্যেষু হরন্তি চ তপোধনান্ । তত এতানি বর্জ্যন্তে তীর্থানি কুরুনন্দন ! ॥৭॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

তেষাং শ্রুত্বা মহাবাহুর্বার্য্যমাণস্তপোধনৈঃ । জগাম তানি তীর্থানি দ্রষ্টুং পুরুষসত্তমঃ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়—অসিগী তুংদা অর্জ্জুননা মখা থংবা সমুদ্রয়োমদা লৈব থোইদোকনা শেংলব অমদি তপস্বী ময়ামনা থল্লবা তীর্থ মথৈ কোযখি ॥১॥ মমাংঙৈদা তপস্বীশিংনা থন্না লৈরম্ব তীর্থ মঙা অদু মতম অহৃদদি তীর্থ মঙা অদু থাদোকতুনা তপস্বীশিংনা চৎনখ্রবনি ॥২॥ থোইদোকনা শেংলবা অগস্ত্যতীর্থ, সৌভদ্রতীর্থ অমসুং পৌলোমতীর্থ, অদুগা লুরবা ঈশিংনা থল্লবা অমসুং মচোন্দা স্নান হেক তৌরবদা অশ্বমেধযজ্ঞগী ফল ফংলবা করন্ধমতীর্থ, অদুগা পাপ পুমনমক মাংননবগী মশক ওইরবা ভারদ্বাজতীর্থ হায়রিবা তীর্থ মঙা অসি অর্জ্জুননা দর্শন তৌখি ॥৩—৪॥ মতম অহৃদদি মীতীক মীরাওথোল তাব্রবা তীর্থ মঙা অদু উবদা অমসুং ধর্ম্ম চেল্লবা মুনিঋষিশিংনা তীর্থশিং অসি থাদোকতুনা চৎমখ্রবোরে হায়বসি থন্দুনা অর্জ্জুনা লোয়নরক্লিবা তপস্বীশিং থর অদুদা খুৎ-লোয়দুনা হংলকই—"ব্রহ্ম খংলবা তপস্বীশিং অদুনা তীর্থশিং অসিবু থাদোকতুনা চৎনখ্রিবা করিগীনো ?" ॥৫—৬॥ তপস্বীশিং অদুনা হায়—"অর্জ্জুন ! তীর্থ মঙা অসিদা জলজন্তু মঙাথক লৈ, মখোয়না তপস্বীশিংবু লাক্তুনা হেক হেক ঈশিংদা চিংথখি, পুখি । মরম অদুনা, তপস্বীশিংনা তীর্থ মঙা অসিবু থাদোকখিবনি, অদুগা হৌজিকসু থাদোকনরি ॥৭॥ বৈশম্পায়ননা হায়—অর্জ্জুননা তপস্বীশিংগী অচৌবগী হা অসি তাবগা অয়ামদুনা থাদনথাদন তীর্থশিং অদু য়েংবা

ততঃ সৌভদ্রমাসাদ্য মহর্ষেস্তীর্থমুত্তমম্। বিগাহ্য সহসা শূরঃ স্নানং চক্রে পরন্তপঃ ॥৯॥
অথ তং পুরুষব্যাঘ্রমন্তর্জলচরো মহান্। জগ্রাহ চরণে গ্রাহঃ কুন্তীপুত্রং ধনঞ্জয়ম্ ॥১০॥
স তমাদায় কৌন্তেয়ো বিস্ফুরন্তং জলেচরম্। উদতিষ্ঠন্মহাবাহুর্বলেন বলিনাং বরঃ ॥১১॥
উৎকৃষ্ট এব গ্রাহস্তু সোঽর্জ্জুনেন যশস্বিনা। বভূব নারী কল্যাণী সর্ব্বাভরণভূষিতা ॥১২॥
দীপ্যমানা শ্রিয়া রাজন্! দিব্যরূপা মনোরমা। তদদ্ভুতং মহদ্দৃষ্ট্বা কুন্তীপুত্রো ধনঞ্জয়ঃ ॥১৩॥
তাং স্ত্রিয়ং পরমপ্রীত ইদং বচনমব্রবীৎ। কা বৈ ত্বমসি কল্যাণি! কুতো বাঽসি জলেচরি ॥১৪॥
কিমর্থঞ্চ মহৎ পাপমিদং কৃতবতী পুরা।

বর্গোবাচ।

অপ্সরাস্মি মহাবাহো! দেবারণ্যবিহারিণী ॥ ১৫ ॥

ইষ্টা ধনপতের্নিত্যং বর্গা নাম মহাবল!। মম সখ্যশ্চতস্রোঽন্যাঃ সর্ব্বাঃ কামগমাঃ শুভাঃ ॥১৬॥
তাভিঃ সার্দ্ধং প্রয়াতাস্মি লোকপালনিবেশনম্। ততঃ পশ্যামহে সর্ব্বা ব্রাহ্মণং সংশিতব্রতম্ ॥১৭॥

মনাক্ত চংশিনখ্রে ॥৮॥ অদুগী তুংদা, মঙাকনা সৌভদ্র কৌবা মহর্ষিগী তীর্থ অদুদা চংশিনখিদ্না মাদ্দা লুপ্তুনা স্নান তৌকরে ॥৯॥ তাঞ্জ অদুনা চাওরবা ঈশিংগী জীব অমা থোরক্তুনা অর্জ্জুনগী মখোং অদু য়াম্রদুনা ফাদুনা থমখ্রে ॥১০॥

ঙাহাক্তং লাক্রবা তুংদা মপাঙ্গল কল্লবা অর্জ্জুননা নমদুনা চাউববা জলজন্তু অদুবু লৈরাইদা চিংখৎলক্রে, চিংখৎলকপা মক্তদা মহাক অহু ফজ হেক চোংখৎলি ॥১১॥ মথক্তা হেক চিংখৎপদা চাউরবা কুন্তির অদু য়াম্ন ফজরবী রমণী অমা হেক ওইরক্রে, মহাক্কী মশা পুম্নমক্তা লৈতেংমক্তা ঙায়থরে অমম্বং স্বর্গগী লাইরেনবীগী মওং মতৌনি; অদুগা মশা মথন্তুগী মশেন্না মায়কৈ অকোইবদু পুমঙাল ঙাল্লম্মি। অর্জ্জুননা থোইদোক্ত ঙক্লবা থৌদোক অদু উবদা য়াম্না সুংঙাইখিদুনা রমণী অদুদা বাসি হায়রকই—

মঙ্গলগী মশক ওইরবী। ইবেম্মা নংদি কনানো?
কদায়দগী করম্না ঈশিংদা লৈরম্লিবনো নহাক্তী? ॥১২—১৪॥
করম্না ফত্তবা পাপকী থবক্তা ঈশিংগী জীবগী মওংদা
লৈরম্লিবনো নহাক্তি? বর্গা কৌবী অপ্সরানা
বাহৈ অসি হায়রকই— নোংমদোন লৈকোন্দা শান্নবী
স্বর্গগী অগোই শাবীনি ॥১৫॥ ইমিংনা বর্গা কৌইদো,
কুবেরগী কুইরবী চানথোইবীনি। লোয়নবী মরি লৈ,
মখোয় মরি অচম্ন, মক্তৌ লৈবী মক্তনি
চৎনিং লৈনিংবা মফমদা, অপনবা লৈতনা চৎপিনি ॥১৬॥

নোংমা এরম্না ইত্তালিং অমুগা লোয়ননা ইন্দ্রপুর তাম্না চৎলম্মি, মফম অহুদগী হল্লকপা মতমদা এখোয় মরাম্না— মমুকচেল লেপ্পবা মশক মতৌ ফজরবা ব্রাহ্মণ অমনা তপোবনগী মফম অমদা

রূপবন্তমধীয়ানমেকাযকান্তচারিণম্। তস্য বৈ তপসা রাজন্! তস্য চ তেজসা বৃতম্ ॥ ১৮ ॥
আদিত্য ইব তং দেশং কৃৎস্নং স হি ব্যভাসয়ৎ। তস্য দৃষ্ট্বা তপস্তাদৃগ্রূপঞ্চাদ্ভুতমুত্তমম্ ॥ ১৯ ॥
অবতীর্ণাঃ স্ম তং দেশং তপোবিঘ্নচিকীর্ষয়া। অহঞ্চ সৌরভেয়ী চ সমীচী বুদ্‌বুদা লতা ॥ ২০ ॥
যৌগপদ্যেন তং বিপ্রমভ্যগচ্ছাম ভারত!। গায়ন্ত্যোঽথ হসন্ত্যশ্চ লোভয়ন্ত্যশ্চ তং দ্বিজম্ ॥ ২১ ॥
স চ নাস্মাসু কৃতবান্ মনো বীর! কথঞ্চন। নাকম্পত মহাতেজাঃ স্থিতস্তপসি নির্ম্মলে ॥২২॥
সোঽশপৎ কুপিতোঽস্মাসু ব্রাহ্মণঃ ক্ষত্রিয়র্ষভ!। গ্রাহভূতা জলে যূয়ং চরিষ্যথ শতং সমাঃ ॥২৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি অর্জ্জুন-
বনবাসে তীর্থগ্রাহবিমোচনে নবাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ।.০॥

—:।*:—

মথস্ত ফমহুনা বেদ পাঠ তৌদুনা লৈরম্মি, তপস্যাগী ওইবা তেজনা বন অদো পুমথল থল্লম্মি ॥১৭—১৮॥ সুমিৎকী তেজগী মতৌগুম্বা মহাক্কী ঙাল্লবা তেজ মপৈনা মফম অদু পুমঙাল ঙাল্লি। মতম অদুদা ঐহাক্না, সৌরভেয়ী, সমীচী, বুদ্বুদা অমসুং লতা ঐখোয় মঙানা মহাক্কী অকনবা তপস্যা অমদি জাত্তা অথোইবা অদুগা অঙকপা ফংনা ফজরবা মশক অদু উবদা আকাশতগী কুমথরকই ॥১৯—২০॥ নোক নোক্তুনা ঈশৈ শক্ল শক্লা ব্রাহ্মণ অদুবু মিহৌহনগে হায়দুনা ঐখোয় পুল্লপ্না মহাক্কী নাক্তা চংশিল্লম্মি ॥২১॥ অদুবু তেজ লৈরবা, দোষ পাপ করিমতা য়াওজদ্রবা, তপস্যাদা পুক্লিং চংহুনা লৈরবা ব্রাহ্মণ অদুনা ঐখোয়গী ইফমদা করিগুবা মওংদা মপুক্লিং থিংজিনদে হয় ফাওবা য়েংদে, মপুক্লিং হকচাং থজিক্ত হোংদা লেংদনা ফমহুনা লৈ ॥২২॥ অদুবু মহাক্না ঐখোয়দা শাওরক্তুনা অমম্না শাপ তৌখি— নখোয়দি ঈশিংদা লৈবা জীব ওন্দুনা চহি চাম চুপ্না মফম অদুদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈবা ওইয় ॥২৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা অর্জ্জুননা বনবাসদা তীর্থ গ্রাহমোচনদা চনিগা মাপল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম্

(অর্জ্জুনগী তীর্থ যাত্রা)

(চহি তম্না শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বর্গোবাচ।

ততো বয়ং প্রব্যথিতাঃ সর্ব্বা ভারতসত্তম ! । অযাম শরণং বিপ্রং তং তপোধনমচ্যুতম্ ॥১॥
রূপেণ বয়সা চৈব কন্দর্পেণ চ দর্পিতাঃ । অযুক্তং কৃতবত্যঃ স্ম ক্ষন্তুমর্হসি নো দ্বিজ ! ॥২॥
এষ এব বধোঽস্মাকং সুপর্য্যাপ্তস্তপোধন ! । যদ্বয়ং সংশিতাত্মানং প্রলোব্ধুং ত্বামিহাগতাঃ ॥৩॥
অবধ্যাস্তু স্ত্রিয়ঃ সৃষ্টা মন্যন্তে ধর্ম্মচারিণঃ । তস্মাদ্ধর্ম্মেণ বর্দ্ধ ত্বং নাস্মান্ হিংসিতুমর্হসি ॥ ৪ ॥
সর্বভূতেষু ধর্ম্মজ্ঞ ! মৈত্রো ব্রাহ্মণ উচ্যতে । সত্যো ভবতু কল্যাণ ! এষ বাদো মনীষিণাম্ ॥৫॥
শরণঞ্চ প্রপন্নানং শিষ্টাঃ কুর্ব্বন্তি পালনম্। শরণং ত্বাং প্রপন্নাঃ স্মস্তস্মাত্ত্বং ক্ষন্তুমর্হসি ॥৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তঃ স ধর্ম্মাত্মা ব্রাহ্মণঃ শুভকর্ম্মকৃৎ। প্রসাদং কৃতবান্ বীর ! রবিসোমসমপ্রভঃ ॥৭॥

ব্রাহ্মণ উবাচ।

শতং শতসহস্রন্তু সর্ব্বমক্ষয্যবাচকম্ । পরিমানং শতং ত্বেতন্নৈদমক্ষয্যবাচকম্ ॥৮॥

বর্গানা হায়খি—ভরত শাগেগী অথোইবা ! ঐখোয়গী মাগী মফমদগী শাপ অদু ফংবা অহনা য়াম্না যাথৃ্থুনা ধর্ম্ম চেন্নবা তপস্বী ব্রাহ্মণ অদুগী মফমদা চংজে ॥১॥ (ঐখোয়না অসুম হায়জে) ব্রাহ্মণ! ঐখোয়না ইমাক ইরৌ, চহি মতাং অমসুং অপাম সুংশিগী ইথক্তা ময়াই কাহ্নুনা নত্তবা চুমদবা কর্ম্ম অসি তৌরকে; অহনা নমাই ঐখোয়গী ইমান ড্রাকপিয়ু ॥২॥ তপস্যা কনুনা ! তপস্যাতনা নরন ওইরবা ! ঐখোয়না থাজৈশংনা হায়লোকচরবনি, ঐখোয়না খঙ্গরুবদি— ইন্দ্রিয় থুহয চন্নবা নহাকপু অপাম সুংশিগী মিহৌ মিকানজনগে হায়দুনা মফম অসিদা লাকপনি ॥৩॥ ধর্ম্ম চেনবা মীশিংনা অস্ত্র থম্নবা অমা নৈ— বিধাতানা সুপীশিংবু অমনা ফুব চৈবা হাৎপা য়াদব। তৌহ্নবা নওংদা শেম্নপ্মি। মরম অদুনা ব্রাহ্মণ ! নহাক্না ঐখোয়বু হাৎপা চুমদে, ধর্ম্ম তানবিজুনা মাহুগী মতুং ইন্না চাউখৎপা ফংবিয়ু ॥৪॥ হে ধর্ম্ম চেন্নবা ! ব্রাহ্মণ হায়বা অসিদি থরাই পানবশিংগী মরূপনি হায়না জ্ঞানীশিংনা হায়নরিবনি। মঙ্গলগী মশাক ওইরবা ! জ্ঞানীশিংনা হাংনরিবসি অচুম্বা ওইহল্লু ॥৫॥ লমচৎ ফজবা হৌনবা থংবা মীশিংনা চংজরবা মীবু কনবিরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয়না নংগী নকমদা চংজরি, ঐখোয়বু ড্রাকপিয়ু ॥৬॥

বৈশম্প্যায়ননা হায়খি— অপ্সরা অদুনা হায়রবদা ধর্ম্ম চেন্নবা, পুণ্যগী থবক্তা তৌরবা, সুমিৎ থাগী মতৌগুমনা তেজ লৈরবা ব্রাহ্মণ অদো পেনখ্রে ॥৭॥ ব্রাহ্মণ অদুনা হায়রকই— চাম, লিশিং

যদা চ বো গ্রাহভূতা গৃহ্নতীঃ পুরুষান্ জলে। উৎকর্ষতি জলাত্তস্মাৎ স্থলং পুরুষসত্তমঃ ॥৯॥

তদা যূয়ং পুনঃ সর্ব্বাঃ স্বং রূপং প্রতিপৎস্যথ। অনৃতং নোক্তপূর্ব্বং মে হসতাপি কদাচন ॥১০॥

তানি সর্ব্বাণি তীর্থানি ততঃ প্রভৃতি চৈব হ। নারীতীর্থানি নাম্নেহ খ্যাতিং যাস্যন্তি সর্ব্বশ।

পুণ্যানি চ ভবিষ্যন্তি পাবনানি মনীষিণাম্ ॥১১॥

বর্গোবাচ।

ততোঽভিবাদ্য তং বিপ্রং কৃত্বা চাপি প্রদক্ষিণম্। অচিন্তয়ামোঽপসৃত্য তস্মাদ্দেশাৎ সুদুঃখিতাঃ ॥১২॥

ক নু নাম বয়ং সর্ব্বাঃ কালেনাল্পেন তং নরম্। সমাগচ্ছেম যো নস্তদ্রূপমাপাদয়েৎ পুনঃ ॥ ১৩ ॥

তা বয়ং চিন্তয়িত্বৈব মুহূর্ত্তাদিব ভারত!। দৃষ্টবত্যো মহাভাগং দেবর্ষিমুত নারদম্ ॥ ১৪ ॥

সম্প্রহৃষ্টাঃ স্ম তং দৃষ্ট্বা দেবর্ষিমমিতদ্যুতিম। অভিবাদ্য চ তং পার্থ! স্থিতাঃ স্ম ব্রীড়িতাননাঃ ॥১৫॥

স নোঽপৃচ্ছদ্দুঃখমূলমুক্তবত্যো বয়ঞ্চ তৎ। শ্রুত্বা তত্র যথাবৃত্তমিদং বচনমব্রবীৎ ॥১৬॥

দক্ষিণে সাগরানূপে পঞ্চ তীর্থানি সন্তি বৈ। পুণ্যানি রমণীয়ানি তানি গচ্ছত মা চিরম্ ॥ ১৭ ॥

চাম, লিশিং লিশিং অসিনচিংবা মফম অতৈদা শিজিন্নবিবা শব্দশিং অসে মফম অতৈদা মশিং লাকউমদবা হায়বা অর্থ লৈ, অতুবু ঐগী শাপকী ৱাহৈদা যাওরিবা চাম হায়বা শব্দ অসিদি হেন্দোক হেঞ্জিন লৈতবা চপ চাবা মশিং খংনবা ৱাহৈনি, মশিং লাকউমদবা অর্থ লৈবা ৱাহৈ নত্তে ॥৮॥ মরম অতুনা নখোয়না ঈশিংদা লৈবা জীব ওন্দুনা মফম অতুদা লৈহনা, অয়াক অয়াকপা মীবু চিংশিন চিংশিন্দুনা অসুম লৌশিল্লকপদা, কনাগুম্বা মীথোই মীহেনবা নিপা অমনা নখোয়বু ঈশিংদগী চিংখৎপিরখিনি, মতম অদুদা নখোয় নংগী নংগী হাম্নগী নশক নওং অসি ফংলগা ওক্লগনি। শাপ অসিদি কোকপদি য়াররোই, মমাংঙৈদগী ঐদি ফত্তবী ৱাগায় তৌহনা লোকমিন্নবা মতম ফাউবদা মীনম্বা ৱা ঙাংখিদবনি ॥৯—১০॥ নখোয মভামক ঈশিং অসিদা ঈশিংগী জীব ওইদুনা নখোয় মঙাক্না লৈগদৌরিবা পুখ্রী মশা অসে হয়েং তুংদা নারী তীর্থ অমুম হায়না মশিং চংলগা ওইগনু; মফম অসিদা স্নান তৌরবা জ্ঞানীশিং অদুগী থম্মোই অমম্নুং হকচাংনা অশেংবা পোকলগা ওইগনু ॥১১॥

বর্গানা হায়ঃ— অদুদগী ঐখোইস্নু ব্রাহ্মণ অদুবু খুরুম্মদুনা, য়েৎলোয়নদা কোয়রদলগা, মফম অদুদগী থর লাপ্তক লাক্লগা য়াম্না ষুংঙাইতনা চিন্তা তৌহনা লৈরে ॥১২॥ মতম খরগী মনুংদা ঐখোয়বু শকফম অদু ওইহনগদবা তাইবং কদায়দা থিকগদগে, ফংগদগে হায়না চিন্তা তৌদুনা লৈরিঙৈদা মহাত্মা নারদমুনি অসি লাকপদু ঐখোইনা হেক উরে ॥১৩—১৪॥ অদুগা অতোপ্পা অমদা মায়ক্রবা, তেজ লৈরবা নারদবু উবদা য়াম্না নুংঙাইরকনা, মত্তোন্দ খুরুমদুনা; ইকায়বনা ঐখোয় মশা নু লুকখদুনা লৈ ॥১৫॥ মতম অদুদা মহাত্মা চংশিন্নদুনা, ঐখোয়গী অৱাবগী মরম অদু হংখি। ঐখোয়স্নু চুম্না খুম্মি। মতম অদুদা নারদনা ঐখোয়গী ৱা তাবদা হায়রকই ॥১৬॥ মথা খংবা-সমুদ্রগী ময়াদা, নীংথিজরবা শেংলবা তীর্থ মঙা লৈবনি, নখোয় মঙানা তীর্থ মশা অদু তাম্না চৎলো ॥১৭॥

তত্রাগু পুরুষব্যাঘ্রঃ পাণ্ডবেয়ো ধনঞ্জয়ঃ। মোক্ষয়িষ্যতি শুদ্ধাত্মা দুঃখাদস্মান্ন সংশয়ঃ ॥ ১৮ ॥
তস্য সর্ব্বা বয়ং বীর! শ্রুত্বা বাক্যমিহাগতাঃ। তদিদং সত্যমেবাস্তু মোক্ষিতাহং ত্বয়ানঘ! ॥১৯॥
এতাস্তু মম তাঃ সখ্যশ্চতস্রোঽন্যা জলে স্থিতাঃ। কুরু কর্ম্ম শুভং বীর! এতাঃ শাপা দ্বিমোচয় ॥২০॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততস্তাঃ পাণ্ডবশ্রেষ্ঠঃ সর্ব্বা এব বিশাংপতে!। তস্মাচ্ছাপাদদীনাত্মা মোক্ষয়ামাস বীর্য্যবান্ ॥২১॥
উত্থায় চ জলাত্তস্মাৎ প্রতিলভ্য বপুঃ স্বকম্। তাস্তদাপ্সরসো রাজন্! অদৃশ্যন্ত যথা পুরা ॥২২॥
তীর্থানি শোধয়িত্বা তু তথানুজ্ঞায় তাঃ প্রভুঃ। চিত্রাঙ্গদাং পুনর্দ্রষ্টুং মণিপুরপুরং যযৌ ॥ ২৩ ॥
তস্যামজনয়ৎ পুত্রং রাজানং বভ্রুবাহনম্। তং দৃষ্ট্বা পাণ্ডবো রাজন্! চিত্রবাহনমব্রবীৎ ॥২৪॥
চিত্রাঙ্গদায়াঃ শুল্কং ত্বং গৃহাণ বভ্রুবাহনম্। অনেন চ ভবিষ্যামি ঋণান্মুক্তো নরাধিপ! ॥২৫॥
চিত্রাঙ্গদাং পুনর্ব্বাক্যমব্রবীৎ পাণ্ডুনন্দনঃ। ইহৈব ভব ভদ্রং তে বর্দ্ধেথা বভ্রুবাহনম্ ॥২৬॥
ইন্দ্রপ্রস্থনিবাসং মে ত্বং তত্রাগত্য রংস্যসি। কুন্তীং যুধিষ্ঠিরং ভীমং ভ্রাতরৌ মে কনীয়সৌ ॥২৭॥
আগত্য তত্র পশ্যেথা অন্যানপি চ বান্ধবান্। বান্ধবৈঃ সহিতা সর্ব্বৈর্নন্দসে ত্বমনিন্দিতে ॥২৮॥

মফম অদুদগী মতম অমদা ম,পুকচেল শেংলবা, নিপা অথোইবা, পাণ্ডুগী মচা অর্জ্জুননা থুন-য়াংনা নখোয়বু অন্নাবা অতুদগী কনবিরগনি, মাসিদা করিমতা চিংনবা তৌকগনু ॥১৮॥ পাপ য়াওদ্রবা, কল্লবা! ঐখোয়না নারদগী ৱা তাবদা, ঐখোয় মপ্তামক মফম অসিদা লাকখিবনি, নারদনা হায়খিবদু অচুম্ব ওইরে, নহাক্না ঐবু অন্নাবদগী কনবিরে ॥১৯॥ অদুবু ঐগী লোয়নবী ইতা মরিদি ঈশিং অসিগী মনুংদা লৈরি। অতুনা অকনবা! নহাক্না অফব-মঙ্গোল ওইবা থবক অসিমগা তৌবিরম্মু, মখোয় মরিসিবুসু শাপতগী কোকপিরম্মু ॥২০॥

বৈশম্পায়ননা হায়:—মহারাজ! ৱা অসি তারবা তুংদা, মপাঙ্গল কল্লবা, পাণ্ডবকী মনুংদা অথোইবা, অর্জ্জুননা মথৱাই শুংঙাইব হরাওবগা লোয়ননা অপ্সরা মরিদুমসু অন্নাবতুদগী কোকপিখি ॥২১॥ মতম অদুদা অপসরাশিং অদুনা ঈশিংদগী কাখৎলক্লুনা হান্নগী মাগী মাগী হকচাং মওং মতৌ মশক অদু ফংজরদুনা মশা মশাবু হান্নগুম্ব ইফ-ফজনা উবা ফংখি ॥২২॥ অর্জ্জুননা মতৌ অমম্না তীর্থ ময়াম্বু অকি-অথংনচিংবা অমতা লৈহল্লমদনা, অপ্সরাশিং অদুবু চৎলো হাযনা বিদায় পীরম্নগা, চিত্রাঙ্গদা যেংঙ্গে হায়দুনা অমুক হন্না মণিপুর তান্ন চৎখি ॥২৩॥ মফম অতুদা চৎখ্রবা তুংদা অর্জ্জুনগী চিত্রাঙ্গদাগী গর্ভদা মচা নিপা বভ্রুবাহন হায়না কৌবা অম পোকখি, মচাদু উরবা তুংদা অর্জ্জুননা চিত্রবাহন নিংথৌদা হায়খি ॥২৪॥ মহারাজ! চিত্রাঙ্গদাবু লুহোংদুনা লৌবগী, অমসুং রাজকুমারী অমবু লৌবগী হৌনবী পীফম থোকপা অদু বভ্রুবাহন অসি ওইনা লৌবিয়। ঐবু লনন অসিদগী কোকপীরো ॥২৫॥ অর্জ্জুননা চিত্রাঙ্গদা অমুক হায়রকই:— ইবেম্মা! নংদি অসিদা অম্নম্মক লৈহৌখো; নংগী মঙ্গল ওইসনু, বভ্রুবাহনবু চাওনবা য়োক্লুনা লৈহৌখো ॥২৬॥ হয়েং তুংদা, ঐখোয়গী ইন্দ্রপ্রস্থদা চৎলগা, নুংঙাইনা লৈরগনি, মফম অদুদা ইমা কুন্তী দেবী, য়াম্বুং যুধিষ্ঠির অমদি ভীম, ইনাও অতোম্বা নকুল সহদেব অনি অদুগা অতৈ অতৈ নয়াপময়াং শাগৈ নাতে

ধর্ম্মে স্থিতঃ সত্যধৃতিঃ কৌন্তেয়োঽথ যুধিষ্ঠিরঃ। জিত্বা তু পৃথিবীং সর্ব্বাং রাজসূয়ং করিষ্যতি ॥২৯॥
তত্রাগচ্ছন্তি রাজানঃ পৃথিব্যাং নৃপসংজ্ঞিতাঃ। বহূনি রত্নান্যাদায় আগমিষ্যতি তে পিতা ।৩০।
একসার্থং প্রয়াতাসি চিত্রবাহনসেবয়া। দ্রক্ষ্যামি রাজসূয়ে ত্বাং পুত্রং পালয় মা শুচঃ ॥৩১॥
বভ্রুবাহননাম্না তু মম প্রাণো বহিশ্চরঃ। তস্মাদ্ভরস্ব পুত্রং বৈ পুরুষং বংশবর্দ্ধনম্ ॥৩২॥
চিত্রবাহনদায়াদং ধর্ম্মাৎ পৌরবনন্দনম্। পাণ্ডবানাং প্রিয়ং পুত্রং তস্মাৎ পালয় সর্ব্বদা ॥৩৩॥
বিপ্রয়োগেণ সন্তাপং মা কৃথাস্ত্বমনিন্দিতে। চিত্রাঙ্গদামেবমুক্ত্বা গোকর্ণমভিতোঽগমৎ ॥৩৪॥
আদ্যং পশুপতেঃ স্থানং দর্শনাদেব মুক্তিদম্। যত্র পাপেঽপি মনুজ প্রাপ্নোত্যভয়দং পদম্ ॥৩৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
অর্জ্জুনবনবাসেঽর্জ্জুনতীর্থযাত্রায়াং দশাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০):—

লোয়না উনবা ফংগনি। পুন্নমক অদুগা উনরগা য়াম্না নুংঙাইব ফংগনি ॥২৭—২৮॥ মহারাজ যুধিষ্ঠিরনা মতম লৈব খিবিক্ত ধর্ম্মগী লম্বীতদা চত্নুনা লৈরিবনিদো, মহাক্কী তপথবা অঙৈংব গুণনা লেংদনা লৈরিদো; অদুগা পৃথিবী পুম্বা জয় তৌদুনা রাজসূয় কৌবা যজ্ঞ অমত্তু লিংখৎকদৌরি ॥২৯॥ যজ্ঞ অদুদা লৈপাক লৈপাককী নিংথৌ অয়াম্বা লাক্কনি, মনিমুক্তা য়াম্না পুরক্কনি। মহাকপু পোকপা মহারাজসু শোয়দনা লেংলক্কনা যজ্ঞ য়াওরনি ॥৩০॥ মতম অদুদা, নহাকসু নপাবু মহারাজগী য়াথং লৌদুনা লোয়ননা লাক্কদবনি। যজ্ঞ অদুদা নংগা ঐগা অমুক উনগনি। নচা অসি য়োক্কনা লৈহৌ, করিমত্তা ৱাকগন্নু ॥৩১॥ বভ্রুবাহন কৌবা ঐগী ইচাসি ঐগী মপানগী থৱাইনি, নিপা অসিনা ঐগী শাগৈগী চাওখৎননবগী মবম ওইবা মীশক অম ওইগদৌবিবনি, অদুনা নচাসি চোকশিন্না য়োক্কনা লৈয়ু ॥৩২॥ ইচা অসে কুরুশাগৈগী নুংঙাইনবগী মশক ওইরবা, পাণ্ডবশিংগী চান্নথোইরবা অমত্তুং তৌনখিবা নিয়মগী মতুং ইন্না মহারাজ চিত্রবাহনগী অধিকার পুন্নমক তুংদা লৌহৌগদৌরিবা অমনি। মরম অদুনা অঙাংসিবু অহিং নুংথিন্দা চোকসিন্ন য়োক্কনা থম্মু ॥৩৩॥ অদুগা নীথিজবী। ঐগা মতম খরদং কায়নবগী দমক খোইনা ৱাকগন্নু।" ৱাহৈ অসি হায়রম্লগা অর্জ্জুননা গোকর্ণ তীর্থগী মাইকৈ রোমদা খোংশানখি। গোকর্ণ হায়রিবা তীর্থ অসি ইহান হানবা, শিবগী থুংমনি, দর্শন ফংবতদা অরানবা থুংমম পীন হৈবনি, তীর্থ অসি থৱাইদগী হেন্ন পাপ চেন্নবা ফাওব করিগুম্বা ছিন্নমদা অকিবা লৈতবা মফম অদু ফংবা ঙম্মি ॥৩৪—৩৫॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা "অর্জ্জুনতীর্থযাত্রা"গী মত্তুংদা চনীগা তরা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম্

(অর্জুনগী দ্বারকা চংপা)

(চনি তরামাথোই শুবা অধ্যায়)

—:(†):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

সোহপরান্তেষু তীর্থানি পুণ্যান্যায়তনানি চ। সর্ব্বাণ্যেবানুপূর্ব্বেণ জগামামিতবিক্রমঃ ॥১॥
সমুদ্রে পশ্চিমে যানি তীর্থান্যায়তনানি চ। তানি সর্বানি গত্বা স প্রভাসমুপজগ্মিবান্ ॥২॥
প্রভাসদেশং সম্প্রাপ্তং বীভৎসুমপরাজিতম। সুপুণ্যং রমণীয়ঞ্চ শুশ্রাব মধুসূদনঃ ॥৩॥
ততোহভ্যগচ্ছৎ কৌন্তেয়ং সখায়ং তত্র মাধবঃ। দদৃশাতে তদান্যোন্যং প্রভাসে কৃষ্ণপাণ্ডবৌ ॥৪॥
তাবন্যোন্যং সমাশ্লিষ্য পৃষ্ট্বা চ কুশলং বনে। আস্তাং প্রিয়সখায়ৌ তৌ নরনারায়ণবৃষী ॥৫॥
ততোহর্জ্জুনং বাসুদেবস্তং চর্য্যাং পর্য্য পৃচ্ছত। কিমর্থং পাণ্ডবৈতানি তীর্থান্যনুচরস্যত ॥৬॥
ততোহর্জ্জুনো যথাবৃত্তং সর্বমাখ্যাতবাংস্তদা। শ্রুত্বোবাচ চ বার্ষ্ণেয় এবমেতদিতি প্রভুঃ ॥৭॥
তৌ বিহৃত্য যথাকামং প্রভাসে কৃষ্ণপাণ্ডবৌ। মহীধরং রৈবতকং বাসায়ৈবাভিজগ্মতুঃ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায় :— অতে অমগা মায়দন থোইনা কল্লবা অর্জ্জুননা ভারতবর্ষগী নোংচুপ থংবা অথৈরোমদা লৈবা তীর্থ অম্যাম্ব অমসুং শেলং শেংলবা মফম পুন্নমক মথং মথং কোয়রুনা দর্শন তৌরকই ॥১॥ নোংচুপ থংবা সমুদ্রগী মপান্দা লৈরিবা তীর্থ, চাওর-চাওরবা লাইশং-মন্দির পুম্নমক অসি কোয়রুরবা তুংদা প্রভাসতীর্থদা থুংখি ॥২॥ অর্জুননা য়াম্না শেংলবা অমদি পুক্নিং হুনবগী মশাক ওইরবা প্রভাস তীর্থদা থুংগরে হায়বা পাউ অসি কৃষ্ণনা মীগী মচিন্দগী মথং মথং তাখি ॥৩॥ অদুগী তুংদা কৃষ্ণনা মরূপ অর্জুনবু উনগে হ'য়বগীদমক প্রভাস তীর্থ তাম্না চংখি; মতম অদুদা কৃষ্ণগা অর্জুনগা অনী প্রভাস তীর্থদা উংনখি ॥৪॥ অদুগী তুংদা মথোয় অনী অমগা অমগা লেংগা লেংগা থৈনদুনা কোমদুনা অমগা অমগা মঙোল ওইবা অনা অয়েক লৈতবা ই পাও হংনেখি, অমসুং মনগী মচি অমদা ফম্মিন্নখি। করি মরমনো হায়বদা মহান মুককী মপোক্তা নর-নারায়ণ কৌদুনা পোকখিবা ঋষি অনীদুনা থাগর অসিদা কৃষ্ণ-অর্জ্জুন হায়না চানবা মরূপ ওইনা পোক্লরে ॥৫॥ অসিগী তুংদা কৃষ্ণনা অর্জুনগী মফমদা তীর্থ চংপগী মরমদা হংজকই — অর্জ্জুন। নংনা করিগী দমক্তা মতোমতা তীর্থ চংলিবনো ? ॥৬॥

অদুগী তুংদা অর্জ্জুননা মরম পুম্নমক লোইনা কৃষ্ণগী মফমদা তমখি। মাদু পুম্নমক তারগা কৃষ্ণনা— উম, চুম্মি, তীর্থ চংফম থোকই ॥৭॥ অর্জুন অমসুং কৃষ্ণ অনীমা প্রভাস তীর্থদা মরূপ পুন্দিনা মনিং মথা তৌনা কোয়চং চত্তুনা লৈগে হায়বগী থাখক্দা রৈবতকপর্ব্বত তাম্না চংখি ॥৮॥

পূর্ব্বমেব তু কৃষ্ণস্য বচনাত্তং যহীধরম্। পুষ্পবা মণ্ডয়াঞ্চক্রুরুপাজহ্রুশ্চ ভোজনম্ ॥৯॥
প্রতিগৃহ্যার্জ্জুনঃ সর্ব্বমুপভুজ্য চ পাণ্ডবঃ। সহৈব বাসুদেবেন দৃষ্টবান্ নটনর্ত্তকান্ ॥ ১০ ॥
অভ্যনুজ্ঞায় তান্ সর্ব্বানর্চয়িত্বা চ পাণ্ডবঃ। সংকৃতং শয়নং দিব্যমভ্যগচ্ছন্মহামতিঃ ॥১১॥
ততস্তত্র মহাবাহুঃ শয়ানঃ শয়নে শুভে। তীর্থানাং পল্বলানাঞ্চ পর্বতানাঞ্চ দর্শনম্ ॥ ১২ ॥
এবং স কথয়ন্নেব নিদ্রয়া জনমেজয়!। কৌন্তেয়োঽপহৃতস্তস্মিন্ শয়নে স্বর্গসন্নিভে ॥ ১৩ ॥
মধুরেণৈব গীতেন বীণাশব্দেন চৈব হ। প্রবোধ্যমানো বুবুধে স্তুতিভির্মঙ্গলৈস্তথা ॥ ১৪ ॥
স কৃত্বাবশ্যকার্য্যাণি বার্ষ্ণেয়েনাভিনন্দিতঃ। রথেন কাঞ্চনাঙ্গেন দ্বারকামভিজগ্মিবান্ ॥ ১৫ ॥
অলঙ্কৃতা দ্বারকা তু বভূব জনমেজয়!। কুন্তীপুত্রস্য পূজার্থমপি নিষ্কুটকেষ্বপি ॥ ১৬ ॥
দিদৃক্ষবশ্চ কৌন্তেয়ং দ্বারকাবাসিনো জনাঃ। নরেন্দ্রমার্গমাজগ্মুস্তূর্ণং শতসহস্রশঃ ॥ ১৭ ॥
অবলোকেষু নারীণাং সহস্রাণি শতানি চ। ভোজবৃষ্ণ্যন্ধকানাঞ্চ সমবায়ো মহানভূৎ ॥ ১৮ ॥
স তথা সংকৃতঃ সর্ব্বৈর্ভোজবৃষ্ণ্যন্ধকাত্মজৈঃ। অভিবাদ্যাভিবাদ্যাংশ্চ সর্বৈশ্চ প্রতিনন্দিতঃ ॥ ১৯ ॥

কৃষ্ণগী য়াথং মতুং ইন্না মহাক্কী মনাই মথল পুম্নমক্কা মাংজোননা রৈবতক কোংবা চীং অহ নীংথিনা শেম-শাদুনা ফজহল্লবনি অমসুং অচা অথক পুম্নমক পৈহনা থমহল্লবনি ॥৯॥ অর্জ্জুননা পুম্নমক অদু কৃষ্ণগা লোয়ননা চামিন থকমিন্নদুনা লৌমিন্নহনা জগোই শাবা শাবীশিংগী জগোই অমসুং ঈশৈ অদুগা অতোপ অতোপ্পা কুম্মৈ য়েংমিন্নৈ অমদি তামিন্নৈ ॥১০॥ অহগী তুংদা অর্জ্জুননা মথোয় পুম্নমকপু থাগৎপিদুনা চৎলো হায়না বিদায় পীখ্রবা তুংদা নীংথিজরবা শেম-শাদুনা থম্নবা শয্যা থক্কা চংদুনা পোথাখি ॥১১॥ অদুদগী, ফমুংথক্কা হিপ্ন হিপ্পা মমাংঙৈদা উথিবা চৎখিবা তীর্থ পুখ্রী, চীংমান, তুরেন অমসুং উমং ঋাগং লৈক্কোলনচিংবা পুমনমক্কী অমসুং মাদুদা থোকখিবা থৌদোক পুমনমক্কী ৱারি অদু কৃষ্ণগী মফমদা লীদুনা তাহল্লম্মি ॥১২॥ মহারাজ জনমেজয়! অর্জ্জুনা অহগুম্বা ফমুং অদুদা হীপ্তুনা ৱারি শান-শানা অহুম তুমথখরে ॥১৩॥ অহগী তুংদা থুম্নবা ঈশৈ, বীনাগী থোম্লেল অমদি য়াকায়রোন শকপা কবিশিংগী সুংশিন্নবা মঙ্গলগী ঈশৈনা মিকপ থোরক্লে ॥১৪॥ সন্ধ্যা তর্পননচিংবা অমুক্কী নিত্য কর্ম্ম পুমনমক লোয়রহনা কৃষ্ণনা কম্মা হায়মনবদগী সনাতনা য়ৈদুনা শারবা রথ মথক্কা তোংথক্লনা দ্বারিকা তাম্না চৎথি ॥১৫॥ অর্জ্জুনগী মফমদা ইকায় খুমনবা উৎকে হায়বগী দমক দ্বারকাগী অচোবা সড়ক লমজাও থিবিক্কগী হৌনা অর্জ্জুননা থুংগদৌরিবা মুম অহু কাউবা, মীগী থুংশেমনা ফজনা শেম শারবা বন কাউবা, দ্বারকা নগরী পুমনমক অদু অতোপ অতোপ্পা লৈতেংনা নীংথিজহনখি ॥১৬॥ দ্বারকাদা লৈব মী চাম চাম লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইহনা অর্জ্জুনবু য়েংগে হায়দুনা মাগী মাগী লম্বী থোঙ্গাংদা লেপ্তুনা লৈনখি ॥১৭॥ অর্জ্জুনবু য়েংগে হায়বগী দমক দ্বারকাগী নুপী নহা পুমনমক চাম-চাম, লিশিং লিশিংনা মপৈ মপৈ ওইনা থোক্লরকই অমসুং ভোজ, বৃষ্ণি অমসুং অন্ধক শাগৈ অহমগী নিপা পুমনমক তিন্নদুনা অর্জ্জুনবু স্বাগত তৌনবগীদমক চাওবা সভা অমা কাখি ॥১৮॥ ভোজ বৃষ্ণি অমসুং অন্ধক বংশগী মী পুমনমক্কা অর্জ্জুনবু তরাম তন্নানা ঐোদুনা ওকখি; অর্জ্জুননু মখোকা পুরুষা যাবা মীশক মথৈ থুরমখি, অদুগা খুরুম্বা ওকপা

কুমারৈ সর্বশো বীরঃ সৎকারেণাভিচোদিতঃ । সমানবয়সঃ সর্বানাশ্লিষ্য সপুনঃ পুনঃ গৃহ্য ।
কৃষ্ণস্য ভবনে রম্যে রত্নভোজ্যসমাবৃতে । উবাস সহ কৃষ্ণেন বহুলাস্তত্র শর্বরীঃ ॥২০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি অর্জুন-
বনবাসেঽর্জুনদ্বারকাগমনে একাদশাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:০:—

মতিক চাবা মীশিং অন্নবুত্ত অর্জুননা আশীর্বাদ তৌখি ॥১৯॥ দ্বারকাগী পাথং খচাশিংনা তরাম তরামনা অর্জুনবু শুক্লন আগী থাগী শেম শাতুনা লৈরিবা মুমশিং অহনা চংতক্লন য়েংখিরনবগী দনক্লা পন্নাই য়াওনা হারজমশিং ঙতন অতুদা অর্জুননা লেংমান্নবা দ্বারকাগী কুমারশিং অহবু মীপুম থিংনা লেংথেননা কোন্নরগা সনা, লুপা মণি মুক্তাম থল্লবা অমস্তুং অহাও অথুম অচা অথক খিবিক্লা য়াত্ত পায়না থল্লবা শ্রীকৃষ্ণগী শঙ্গাই অতুদা কৃষ্ণগা লোয়ননা মতম কুইনা লৈমিন্নখি ॥২০—২১॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোকলিশিং চামনা, শ্রীবাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা অর্জুননা দ্বারিকাগমনদা চনীগা তরামাথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম্

(যুধিষ্ঠিরগী য়াথং লৌখ্র)

(চনি তরামিথোই শুবা অধ্যায়)

—:(০):—

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ততঃ কতিপয়াহস্য তস্মিন্ রৈবতকে গিরৌ । বৃষ্ণ্যন্ধকানামভবদুৎসবো নৃপসত্তম ॥১॥
তত্র দানং দদুর্বীরা ব্রাহ্মণেভ্যঃ সহস্রশঃ । ভোজবৃষ্ণ্যন্ধকাশ্চৈব মহে তস্য গিরেস্তদা ॥২॥
প্রাসাদৈ রত্নচিত্রৈশ্চ গিরেস্তস্য সমন্ততঃ । স দেশঃ শোভিতো রাজন্ ! কল্পবৃক্ষৈশ্চ সর্বশঃ ॥৩॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— মহারাজ ! অতুগী তুংদা সুমিৎ কয়ানি হৌখ্রবা তুংদা রৈবতক কৌবা চীং অতুদা বৃষ্ণিগা অন্ধকগা অনী অসিগী মী পুম্নমক্লা চহিগী লাকপা মেলা উৎসব অমা য়োকখি ।১। ভোজ বৃষ্ণি অন্ধকগী অকনবাশিংনা রৈবত চীং অতুগী উৎসব অদা ব্রাহ্মণ লিশিং লিশিংবু মখল মখা অয়াম্বা পোৎচৈ দান তৌখি ॥ ২ ॥ মহারাজ ! রৈবতক চীং অতুগী মথক্ত অয়াম্বা মণিমুক্তানা থাজল-বা চেকপান, য়ুমা দোলাম অমস্তুং খুৎশেমনা মথুৎমশা রৈবাশিংগা চোনমান্না উ কয়ানা চীং অতুবু

বাদিত্রাণি চ তত্রান্যে বাদকাঃ সমবাদয়ন্ । ননৃতুর্নর্ত্তকাশ্চৈব জগুর্গেয়ানি গায়নাঃ ॥৪॥
অলঙ্কৃতাঃ কুমারশ্চ বৃষ্ণীনাং সুমহৌজসাম্ । যানৈর্হাটকচিত্রৈশ্চ চঞ্চূর্য্যন্তে স্ম সর্ব্বশঃ ॥৫॥
পৌরাশ্চ পাদচারেণ যানৈরুচ্চাবচৈস্তথা । সদারাঃ সানুযাত্রাশ্চ শতশোঽথ সহস্রশঃ ॥৬॥
ততো হলধরঃ ক্ষীবো রেবতীসহিতঃ প্রভুঃ । অনুগম্যমানো গন্ধর্ব্বৈরচরত্তত্র ভারত ॥৭॥
তথৈব রাজা বৃষ্ণীনামুগ্রসেনঃ প্রতাপবান্ । অনুগীয়মানো গন্ধর্ব্বৈঃ স্ত্রীসহস্রসহায়বান্ ॥৮॥
রৌক্মিণেয়শ্চ সাম্বশ্চ ক্ষীবৌ সমরদুর্ম্মদৌ । দিব্যমাল্যাম্বরধরৌ বিজহ্রাতেঽমরাবিব ॥৯॥
অক্রূরঃ সারণশ্চৈব গদো বভ্রুর্বিদূরথঃ । নিশঠশ্চারুদেষ্ণশ্চ পৃথুর্বিপৃথুরেব চ ॥১০॥
সত্যকঃ সাত্যকিশ্চৈব ভঙ্গকারমহারবৌ । হার্দ্দিক্য উদ্ধবশ্চৈব যে চান্যে নানুকীর্ত্তিতাঃ ॥১১॥
এতে পরিবৃতাঃ স্ত্রীভির্গন্ধর্ব্বৈশ্চ পৃথক্ পৃথক্ । তমুৎসবং রৈবতকে শোভয়াঞ্চক্রিরে তদা ॥১২॥
চিত্রকৌতূহলে তস্মিন্ বর্ত্তমানে মহাদ্ভুতে । বাসুদেবশ্চ পার্থশ্চ সহিতৌ পরিজগ্মতুঃ ॥১৩॥
তত্র চংক্রমমাণৌ তৌ বসুদেবসুতাং শুভাম্ । অলঙ্কৃতাং সখীমধ্যে ভদ্রাং দদৃশতুস্তদা ॥১৪॥
দৃষ্ট্বৈব তামর্জ্জুনস্য কন্দর্পঃ সমজায়ত । তং তদৈকাগ্রমনসং কৃষ্ণঃ পার্থমলক্ষয়ৎ ॥১৫॥
অব্রবীৎ পুরুষব্যাঘ্রঃ প্রহসন্নিব ভারত । বনেচরস্য কিমিদং কামেনালোড্যতে মনঃ ॥১৬॥

লৈতেংলম্মী ॥ ৩ ॥ মকম অহদা পূংশেল য়েবা হৈবশিংনা য়েরম্মি খোংলম্মি, [illegible] শিংনা জগোই শারমই, ঈশৈ হৈবীশিংনা ঈশৈ শরুম্মি ॥৪॥ মপাঙ্গল কল্লবা বৃষ্ণিবংশগী পাখং [illegible] শিং অতুবা [illegible] নীংথিনা ফিজেৎ লৈতেংহনা সনাতনা শাবা মাগী মাগী [illegible] তোংথতুনা চীং অসুগী [illegible] হন্দা চৎনরকই ॥৫॥

দ্বারকা পুরদা লৈবা নিপা চাম চাম, লিশিং লিশিংনা মাগী মাগী মচা, মুপী [illegible] গা লোয়ননা, কনা অমনা মখোংনা [illegible] তোডান [illegible] অমদি বাহনদা তোংল তোংলদুনা কোইনরকই ॥ ৬ ॥ অতুগী তুংদা, বলরামনা [illegible] থকচিন্দুনা য়াম্না ময়াই কাদুনা রেবতীগা লোয়ননা কোইচৎ চৎলকই ॥৭॥ [illegible] বৃষ্ণি বংশগী নিংথৌ উগ্রসেননা মুপী মপৈগা লোয়ননা [illegible] ; [illegible] গন্ধর্ব [illegible] ॥৮॥ লান্দা লাকডম কাডমত্রবা প্রদ্যুম্ন অমদি সাম্ব অনীরুদ্ধ [illegible] থকচিন্দুনা [illegible] ময়াই কাদুনা নীংথি [illegible] লৈ পরেং কিফোম্না লৈতেংলদুনা স্বর্গগী দেবতা [illegible] চৎথোরকই ॥ ৯ ॥ অক্রূর, সারণ, গদ, বভ্রু, বিদূরথ, নিশঠ, চারুদেষ্ণ, পৃথু, বিপৃথু, সত্যক, সাত্যকি, ভঙ্গকার, [illegible], মহারব, হার্দ্দিক্য [illegible] উদ্ধব মাখোয়শিং অসিনা মুপী কয়া কয়ানা [illegible] মপৈ [illegible] তোংগায়া, রৈবতক চীংগী মেলা-উৎসব [illegible] নীংথি[illegible] ॥১০—১২॥ [illegible] তোম্না [illegible] বংনা নীংথিজরবা উৎসব অদুনা তৌরম্লবা [illegible] অর্জুনগা [illegible] চীং [illegible] ॥১৩॥ মকম [illegible] কোইচৎ চদুনা [illegible] নীংথিজরবী লৈতেং [illegible] লৈতেংজবী, বসুদেবগী মচা মুপী সুভদ্রাবু উথি ॥১৪॥ সুভদ্রাবু [illegible] অর্জুনগী [illegible] বাথল পোকখি ; [illegible] সুভদ্রাবু [illegible] মপুক্কিং চংনা চিন্তা তৌদুনা লৈখি, মাসি কৃষ্ণনা উথি ॥১৫॥ মাগী মত্তো [illegible] [illegible]

মমৈষা ভগিনি পার্থ! সারণস্য সহোদরা। সুভদ্রা নাম ভদ্রং তে পিতুর্মে দয়িতা সুতা।
যদি তে বর্ত্ততে বুদ্ধির্বক্ষ্যামি পিতরং স্বয়ম্

অর্জ্জুন উবাচ।

দুহিতা বসুদেবস্য বাসুদেবস্য চ স্বসা। রূপেণ চৈব সম্পন্না কমিবৈষা ন মোহয়েৎ ॥১৮॥
কৃতমেব তু কল্যাণং সর্ব্বং মম ভবেদ্ ধ্রুবম্। যদি স্যান্মম বার্ষ্ণেয়ী মহিষীয়ং স্বসা তব ॥১৯॥
প্রাপ্তৌ তু ক উপায়ঃ স্যাত্তং ব্রবীহি জনার্দ্দন। আস্থাস্যামি তদা সর্ব্বং যদি শক্যং নরেণ তৎ ॥২০॥

বাসুদেব উবাচ।

স্বয়ংবরঃ ক্ষত্রিয়াণাং বিবাহ পুরুষর্ষভ!। স চ সংশয়িতঃ পার্থ! স্বভাবস্যানিমিত্ততঃ ॥ ২১ ॥
প্রসহ্য হরণঞ্চাপি ক্ষত্রিয়াণাং প্রশস্যতে। বিবাহহেতোঃ শূরাণামিতি ধর্ম্মবিদো বিদুঃ ॥২২॥
স ত্বমর্জ্জুন! কল্যাণীং প্রসহ্য ভগিনীং মম। হর স্বয়ম্বরে হ্যস্যাঃ কো বৈ বেদ চিকীর্ষিতম্ ॥২৩॥
ততোঽর্জ্জুনশ্চ কৃষ্ণশ্চ বিনিশ্চিত্যেতিকৃত্যতাম্। শীঘ্রগান্ পুরুষানন্যান্ প্রেষয়ামাসতুস্তদা ॥২৪॥

নোক্লা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই— বনবাসী ওইবা ব্রহ্মচারী অমগী পুক্নিংবু অপাম মুংশিগী থাথনা ইথক হৌহল্লিববু করিগী ওইরবনো ॥১৬॥ মাসে, ঐগী ইচলনি, সারনগা পোকমিন্নবনি অমসুং ঐগী ইপাগী খন্নাইদগী নুংশিনা থম্বী মচানুপীনি; মাগী মমিং সুভদ্রা কৌই। নহাক্কীদি মঙ্গলগী মশক ওইবী হায়বীত্থ ওইগদৌরিবনি মরম অত্থনা মহুৎপ্রবু পূক্নিং খোয়দাবীরবদি ঐনা ঐগী ইপা বাসুদেবদা হেক হায়নগা লোয়রেদনা ॥১৭॥

অর্জ্জুনন্না হায়—

বসুদেবগীসু মমোমনি, বাসুদেবগীসু মচান ;
অত্থুগী মথক্ত শকহেনবী, নিপা কনাগী খমোইবু
শুঙ্গাৎলোইদগেদো মহাক্না? ॥১৮॥ বুঝি শাগৈদা পোক্নবী,
বাসুদেবগী মচনবু ঐগী লোয়নবীগুম ফংজরবদি,
ঐগী পুনশি অসি মঙ্গলগী মঙ্গল মত্তুনি
মাসি শোয়দ্রবা থানীদো ॥১৯॥

অদুদা মহাকপু ফংননবা উপাযদি করি নৈ? মাহু তাকপিয়ু, মীওইবনা ঙম্বা উপায় লৈরবদি মাহুমক ঐহাক তৌজগে ॥২০॥ কৃষ্ণনা হায়— অর্জ্জুন! ক্ষত্রিয়শিংগী স্বয়ম্বর কৌবা বিবাহ অম লৈ, চুম্মি। অদুবু নংগী দমক্তা থনুবদা য়াম্না চিংনথে। মরমদি নুপীগী পূকচেল অমদি লমচৎ হায়বসি অরেপ্প লৈতে ॥২১॥ অদুগা বিবাহগী দমক্তা ক্ষত্রিয়শিংনা মপাঙ্গল্না অতৈবু অম্ব তৌদুনা লৌব হায়বসিসু অফবা অরেপ্প অমনি হায়না ধর্ম্ম খংবশিংনা হায়নৈ ॥২২॥ মরম অদুনা মনাপ অর্জ্জুন! নহাকনু নপাঙ্গল মথৌনান ঐগী ইচনবু ময়ামদগী মুদুনাপ্ন। মরমতদি স্বয়ম্বর তৌরবদি মহাক্না কনাদা বরমাল্য হুকথিগনি কনান খংগনি? ॥২৩॥ অসিগী তুংদা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমকনা সুভদ্রাবু লোম পুননবা উপায় নিয়ম শুমনমক অদু ভাবদুনা লেপরবা, বিষয় অশিনা মহারাজ

ধর্ম্মরাজায় তৎ সর্ব্বমিন্দ্রপ্রস্থগতায় বৈ। শ্রুত্বৈব চ মহাবাহুরনুজজ্ঞে স পাণ্ডবঃ ॥২৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি সুভদ্রা-
হরণে যুধিষ্ঠিরানুজ্ঞায়াং দ্বাদশাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——):০:(——

যুধিষ্ঠিরগী মফমদগী য়াথং লৌননবা ইন্দ্রপ্রস্থ তাম্না মথোং য়াংবা মী থর থাথে, যুধিষ্ঠিরনা মখোয়গী মচীন্দগী ব্বা অদু তাবদা ফরে হায়না অয়াবা যাথং পীখি ॥২৪—২৫॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতআ শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা অর্জ্জুন তীর্থযাত্রাগী মনুংদা যুধিষ্ঠিরদগী য়াথং লৌবা কৌবা চনী তরানিথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

— (*)=

শ্রীমহাভারতম্

(বলদেবনা শাওবগী মতাং)

(চনি তরাহুমদোই শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ সংবাদিতে তস্মিন্নুজ্ঞাতো ধনঞ্জয়ঃ। গতাং রৈবতকে কন্যাং বিদিত্বা জনমেজয়! ॥ ১ ॥
বাসুদেবাভ্যনুজ্ঞাতঃ কথয়িত্বেতিকৃত্যতাম্। কৃষ্ণস্য মতমাদায় প্রযযৌ ভরতর্ষভঃ ॥২॥
রথেন কাঞ্চনাঙ্গেন কল্পিতেন যথাবিধি। শৈব্যসুগ্রীবযুক্তেন কিঙ্কিণীজালমালিনা ॥ ৩ ॥
সর্ব্বশস্ত্রোপপন্নেন জীমূতরবনাদিনা। জ্বলিতাগ্নিপ্রকাশেন দ্বিষতাং হর্ষঘাতিনা ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়— মহারাজ জনমেজয়! অর্জ্জুননা, সুভদ্রাবু চেনবগী মরমদা কৃষ্ণগী অমদি যুধিষ্ঠিরগী য়াথং ফংলদুনা, অদুগা সুভদ্রানস্থ রৈবতক কৌবা চীংদা চৎথে, হায়বসি তাদুনা খল্লদুনা, মহাকপু চেন্দুনা পুননবগী শরৌ উপায় পুমনমক অসি শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা তাক্রমদুনা অমসুং মহাকমকী য়াথংসু লৌখোক্লগা, কৃষ্ণগী মতকী মতুং ইন্না রৈবতক তান্না চৎখি ॥১—২॥ সারথিনা কৃষ্ণগী য়াথং লৌদুনা সনাগী মশক ওইবা রথ অমা শেমদুনা তারহনা লৈরম্মি, রথ অদু শৈব্য অমসুং সুগ্রীব কৌবা শগোল অনীনা চীংঙ্গি। সনাগী খাংশরিক পরেং পরেং য়াল্লি, রথ অদুগী মনুংদা খুৎলাই মখল মখল হাপই, রথ অদু অচাকপা মৈগী মতৌগুম্বা ইরং লংঙ্গি, ফুইনা হৌরকপা নোংগী মতৌগুম্বা নুংবা খোঞ্জেল মহক্কী ওই, খোঞ্জেল অদুনা য়েকনবগী মথুম মরাং হৌবা নুংঙায়বদু মুথহল্লি। অর্জ্জুননা অসিগুম্বা রথদা তোংখদুনা লানগী ফুরিৎ, খাংশাং, খুৎখাং অসিনচিংবা

সন্নদ্ধঃ কবচী খড়্গী বদ্ধগোধাঙ্গুলিত্রবান্ । মৃগয়াব্যপদেশেন প্রযযৌ পুরুষর্ষভঃ ॥ ৫ ॥

সুভদ্রা ত্বথ শৈলেন্দ্রমভ্যর্চ্চ্যৈব হি রৈবতম্ । দৈবতানি চ সর্ব্বাণি ব্রাহ্মণান্ স্বস্তি বাচ্য চ ॥ ৬ ॥

প্রদক্ষিণং গিরেঃ কৃত্বা প্রযযৌ দ্বারকাং প্রতি । তামভিদ্রুত্য কৌন্তেয়ঃ প্রসহ্যারোপয়দ্রথম্ ।
সুভদ্রাং চারুসর্ব্বাঙ্গীং কামবাণপ্রপীড়িতঃ ॥ ৭ ॥

ততঃ স পুরুষব্যাঘ্রস্তামাদায় শুচিস্মিতাম্ । রথেন কাঞ্চনাঙ্গেন যযৌ স্বপুরং প্রতি ॥৮॥

হ্রিয়মাণান্তু তাং দৃষ্ট্বা সুভদ্রাং সৈনিকা জনাঃ । বিক্রোশন্তোঽদ্রবন্ সর্ব্বে দ্বারকামভিতঃ পুরীম্ ।৯।

তে সমাসাদ্য সহিতাঃ সুধর্ম্মামভিতঃ সভাম্ । সভাপালস্য তৎ সর্ব্বমাচখ্যুঃ পার্থবিক্রমম্ ॥ ১০॥

তেষাং শ্রুত্বা সভাপালো ভেরীং সান্নাহিকীং ততঃ । সমাজঘ্নে মহাঘোষাং জাম্বুনদপরিষ্কৃতাম্ ॥১১॥

ক্ষুব্ধাস্তেনাথ শব্দেন ভোজবৃষ্ণ্যন্ধকাস্তদা । অন্নপানমপাস্যাথ সমাপেতুঃ সমন্ততঃ ॥ ১২ ॥

তত্র জাম্বুনদাঙ্গানি স্পর্দ্ধ্যাস্তরণবন্তি চ । মণিবিদ্রুমচিত্রাণি জ্বলিতাগ্নিপ্রভাণি চ ।১৩।

ভেজিরে পুরুষব্যাঘ্রা বৃষ্ণ্যন্ধকমহারথাঃ । সিংহাসনানি শতশো ধিষ্ণ্যানীব হুতাশনাঃ ॥ ১৪॥

তেষাং সমুপবিষ্টানাং দেবানামিব সন্নয়ে । আচখ্যৌ চেষ্টিতং জিষ্ণোঃ সভাপালঃ সহানুগঃ ॥১৫॥

শেৎ-চাদুনা লানগী দমক শেম শাহনা সুভদ্রাবু চেম্নবগী দমক চৎলম্মি ॥৪ – ৫॥ অসোমদা সুভদ্রাস্থ দেবতা পুম্নমক্কী অমসুং রৈবতক কোবা চীংগী পুজানচিংবা পূম্নমক লোয়রদুনা ব্রাহ্মণ পুমনমকনা স্বস্তিবাচনচিংবা তৌহনদুনা, রৈবতক কোবা চীংবু য়েৎলোইমনা কোইরগা দ্বারকা তাম্না লাকই, তাপ্পা অসিদা অর্জ্জুননা অপাম মুংশিগী ত্রেকগী চৈনাখোম্না খাংবা ওমদদুনা তকিং তফিংনা চেন-শিনখিদুনা হকচাং কায়াৎ পুম্নমক মাত্তনা ফজরবী সুভদ্রাবু নমহনা রথ মথক্তা থাঙ্গৎখি ॥৬–৭॥ অদুগী তুংদা অর্জ্জুননা সনানা থামদ্রব রথ মথক অদুদা মোমোম্না নোকপী সুভদ্রাবু পুদুনা ইন্দ্রপ্রস্থ তাম্না চৎখি ॥৮॥ অর্জ্জুননা সুভদ্রাবু নমদুনা হুদুনা পুখছু উবদা মফম অদুদা লৈরম্বা লান্মি পুন্নমক দ্বারকা নগরী তাপ্পা চেনখি ॥৯॥

মথোয় পুন্নমক তিনদুনা সুধর্ম্মা কৌবা সভা অদু তাম্না চৎখিদুনা সভাপতি অদুগী মায়কৈ মরিদা লেপ্লুনা অর্জ্জুননা তৌখিবা মথৌম্না অমসুং মতিক মগুণ মপাঙ্গলগী থৌদোক পুম্নমক তম্নখি ॥ ১০ ॥ সভাপতিনা পাউ পুম্নকইবা মীশিংদুগী মচিন্নগী মা অসি তাবদা সনাডনা থামলবা চাউরবা পুংআউ অমুনা লানলাকপগী অকি অংংবগী মথোঙ্ক খোকহনদুনা য়েংলখি ॥১১॥ অসিগুম্বা খোঞ্জেল অসিনা শুম্মাইনা ইথক হোৎরবা ভোজ, বৃষ্ণি অমসুং অন্ধক শাগেগী অকনবগী পুম্নমকনা চাক থক্লবা পুম্নমক থাকোকদুনা মায়কৈ মরিমক্তগী হায়গৎনরক্লে ॥১২॥ মথোয় পুমনমক অদু মফম অদুদা লাক্লুনা মঙ্গনা তৌগে হায়বগী দমক সনাবা হুৎলবা গাদি মথক্তা নীংথিজরবা মমল য়ামলবা ফিনুং কুপ্পুনা মাহুগী মথক্তা মণি সোহামাচিংবনা নীংথিজরবা অমসু মৈগী মতৌগুম্না শানবা অমত্তং লংবা সিংহাসন চাম চাম্না শরেং শাম্না থাবিবশিং অদুগী মথক্তা মফম চান চানা ফমখি । মতম অদুদা মথোয় পুম্নমক অদু মশা মশাগী মশেক মতাম্না হায়দোকপগুম ফজরম্মি ॥১৩—১৪॥ স্বর্গগী দেবতাগী মতৌগুম্না সভা অদুনা শরেং শাম্না ফমলবা মতম অদুদা সভাপতি অদুনা মহাক্কী খোংথোক চৎলিবা পুম্নমক অদুগা তিনদুনা অর্জ্জুননা তৌখিবা ব্যবহার অদুগী মরমদা ময়াম্না লাওথোকখি ॥১৫॥

তচ্ছ্রুত্বা বৃষ্ণিবীরাস্তে মদসংরক্তলোচনাঃ । অমৃষ্যমাণাঃ পার্থস্য সমুৎপেতুরহঙ্কৃতাঃ ॥১৬॥
যোজয়ধ্বং রথানাশু প্রাসানাহরতেতি চ । ধনূংষি চ মহার্হাণি কবচানি বৃহন্তি চ ॥১৭॥
সূতানুচ্চুক্রুশুঃ কেচিদ্রথান্ যোজয়তেতি চ । স্বয়ঞ্চ তুরগান্ কেচিদযুঞ্জন্ হেমভূষিতান্ ॥১৮॥
রথেষ্বানীয়মানেষু কবচেষু ধ্বজেষু চ । অভিক্রন্দে নৃবীরাণাং তদাসীত্তুমুলং মহৎ ॥১৯॥
বনমালী ততঃ ক্ষীবঃ কৈলাসশিখরোপমঃ । নীলবাসা মদোৎসিক্ত ইদং বচনমব্রবীৎ ॥২০॥
কিমিদং কুরুথাপ্রাজ্ঞাঃ ! তূষ্ণীম্ভূতে জনার্দ্দনে । অস্য ভাবমবিজ্ঞায় সংক্রুদ্ধা মোঘগর্জ্জিতাঃ ॥২১॥
এষ তাবদভিপ্রায়মাখ্যাতু স্বং মহামতিঃ । যদস্য রুচিতং কর্ত্তুং তৎ কুরুধ্বমতন্দ্রিতাঃ ॥২২॥
ততস্তে তদ্বচঃ শ্রুত্বা গ্রাহ্যরূপং হলায়ুধাৎ । তূষ্ণীম্ভূতাস্ততঃ সর্ব্বে সাধু সাধ্বিতি চাব্রুবন্ ॥২৩॥
সমং বচো নিশম্যৈব বলদেবস্য ধীমতঃ । পুনরেব সভামধ্যে সর্বে তে সমুপাবিশন্ ॥২৪॥
ততোঽব্রবীদ্বচো রামো বাসুদেবং পরন্তপঃ । কিমবাগুপবিষ্টোঽসি প্রেক্ষমাণো জনার্দ্দন ! ॥২৫॥
সৎকৃতস্তৎকৃতে পার্থঃ সর্ব্বৈরস্মাভিরচ্যুত ! । ন চ সোঽর্হতি তাং পূজাং দুর্ব্বুদ্ধিঃ কুলপাংসনঃ ॥২৬॥

মাদু তাবদা বৃষ্ণি বংশগী অকন অথৌ পুম্নমক্না শাওবনা মমিত্তা ঈ কায়, মপান্থোম তিংদুনা নাপল তৌদুনা, অর্জ্জুননা তৌরিবা ব্যবহার অদু থাংব ঙমদহনা শাওবনা ফুক ফুক হৌগৎলৈ ॥১৬॥ ময়াম অসুম হায়না হায়নথি— "ময়াম পুম্নমক থুনা য়াংনা রথ শেম শাও, লানগী দমক সাজন তৌরো, লীকং তেন অমসুং লানগী ফিজোন পুম্নমক ছজিমক পুনরকউ" ॥১৭॥ কনা কনানা খোঞ্জেল থাংনা মাগী মাগী সারথি কৌনরক্নি, কনা-কনানা মাগী মাগী রথ শেম শানরি অমসুং কনা কনানা মাগী মাগী সনা লুপানা লৈতেং ওইহল্লবা শগোল পুরক্না মাগী মাগী রথদা পানশিল্লি ॥১৮॥ অমরোমদা রথ, লানগী ফুরিৎ, ফিরাম্নাচিংবা পুনরক্না মীতনা পুমনীন নীনখ্রহনা, অকন অথৌ-মক্না অমগ অমগ কাদু কারন কোয়চেল চেম্নরি ॥১৯॥ মতম অদুদা বনমালানা খোয়দৌ য়েনা খোল্লিবা, নিশা কাবা রস থকউবনা ময়ায় কারবা, কৈলাস চীংজাউগী চীদোনগী মতৌগুম্না থাং চাউরবা হকচাংন মহাক্কী ওইরবা, ময়ায়না নাপল কারবা বলরামনা অসুম্না হায়রকই ॥২০॥ অপংবশা ! নখোয়না ইরাং লাংবা শারী, কৃষ্ণদি হৌজিক কাওবা থাগী মচেৎ অমা কাওবা ভাংদনা তুমিন্না লৈরি, কৃষ্ণনা করি নীংলিবগে হায়বসি খংদনা, শাওশিন্নদুনা, ঙংদুনা অরেম্বদা লাউ খোংলগা করি কান্নে করি তৌবা শাগ্নিবনো ? ॥২১॥ অহানবদা তৌগদৌবা থবক পুম্নমক খংলবা কৃষ্ণনা মহাক্না খল্লিবা পুমনমক হায়দোক পিরকখিসনু ; অদুগী তুংদা কৃষ্ণনা অসুম কৈ হায়না থনবা থবক অদু তৌ ॥২২॥ অসিগী তুংদা অকনবশিংদুনা, বলরামগী মচিন্দগী লৌব য়াবা বা অসি তাবদা— চুম্মি চুম্মি অসুম হায়নদুনা তুমিন তুমিন লৈনখি ॥২৩॥ মখোয় পুম্নমক্না শীংলবা বলরামগী বা অসি তাবমক্তদা সভা অদুগী মনুংদা মাগী মাগী ফমফমদা হন্নিন্দুনা ফমনখি ॥২৪॥ অদুগী তুংদা, বলরামনা মনাও কৃষ্ণগী মফমদা হায়রকই— কৃষ্ণ ! অকন অথৌশিং অদিনা অসুক য়ামনা হৌ-হৌ চোংনরবা অদিদা করিগীনো নহাক্না হৌজিক কাউবা তুমিন্না লৈরিবা ? ॥২৫॥ কৃষ্ণ ! নংনা লুনা তৌই হায়দুনা, নংনা পেন্নবা অমসুং পুংভায়খিরোই হায়দুনা অর্জ্জুনবু ঐখোয় পুমনমক্না ভরাম্ভরামনা ইকায় খুম্ননা তৌরি। অদুবু শাগৈন্নী মান ভাক্তবা, বংশ চেম্বা মক্রবা থাখবা থানবা

কো হি তত্রৈব ভুক্ত্বান্নং ভাজনং ভেত্তুমর্হতি। মন্যমানঃ কুলে জাতমাত্মানং পুরুষঃ ক্বচিৎ ॥২৭॥
ইচ্ছন্নেব হি সম্বন্ধং কৃতং পূর্ব্বঞ্চ মানয়ন্। কো হি নাম ভবেনার্থী সাহসেন সমাচরেৎ ॥২৮॥
সোঽবমন্য তথা চাস্মাননাদৃত্য চ কেশবম্। প্রসহ্য হৃতবানদ্য সুভদ্রাং মৃত্যুমাত্মনঃ ॥২৯॥
কথং হি শিরসো মধ্যে কৃতং তেন পদং মম। মর্ষয়িষ্যামি গোবিন্দ! পাদস্পর্শমিবোরগঃ ॥৩০॥
অদ্য নিষ্কৌরবামেকঃ করিষ্যামি বসুন্ধরাম্। ন হি মে মর্ষণীয়োঽয়মর্জ্জুনস্য ব্যতিক্রমঃ ॥৩১॥
তং তথা গর্জ্জমানন্তু মেঘদুন্দুভিনিস্বনম্। অন্বপদ্যন্ত তে সর্ব্বে ভোজবৃষ্ণ্যন্ধকাস্তদা ॥৩২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
সুভদ্রাহরণে বলদেবক্রোধে ত্রয়োদশাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০):—

মহাক অসে, হৌজিক্তি সম্মান তৌননবগী মতিক চাবা নিপা অমা ওইদ্রে ॥২৬॥ করম্বা মীনা মশাবু অকবা শাগৈদা পোকপনি হায়না থজ্জবগা, মতিক চারবা পাত্র অদুদা চাক হাপ্তুনা চারগা পাত্র অমবু লংথায়দুনা থুগায়বা য়াত্রা ? ॥২৭॥ (*) অদুগা করম্বা নিপানা অহানবদা লৈনরম্বা মরী অদুগী সম্মানবু ভাক্তুনা থম্নগা অনৌবা সম্বন্ধ অমা থোকননবা খন্দুনা মাথগী দমক অতোপ্পা পোৎশক অমবু তাম্নরক্তুনা, মতিক মপা ওইদবা উৎপগে ॥২৮॥ অর্জ্জুন হাযবা অসিনা ঐখোয় পুমনমক অসিবু উশিত্তহনা অমদি কৃষ্ণ নহাক মকপুম্ন থৌওইদদুনা, মহাক্কী মফমদা অশিব হায়বা লাই অদুগী মশক ওইরবী সুভদ্রাবু নমদুনা পুখিবা শারি ॥২৯॥ অদুনা হন্দক অর্জ্জুননা তৌরিবসি ঐগী ইরাইবক্তা খোংপাকনা কাউরম্বগুম্বনি। অদুনা কৃষ্ণ। মকোক নেৎথৎলম্বা লিলনা থাংদুনা লৈবা ভমদবগুমনা ঐ অমুক থাংদুনা লৈবা ভয়রোই ॥৩০॥ মরম অদুনা নতাক য়াওরোই হায়রনসু ইথস্তনা পৃথিবী অসে কৌরব শাগে য়াওদ্রবী হায়বত্থু ওইহনগে থংগনি। মরমদি অর্জ্জুননা তৌরিবা অত্যাচার অসি থাংদুনা লৈব য়াবা অমা থোক্কে ॥৩১॥ বলরামনা কুংলবা নোং অমমুং স্বর্গগী পুংজাউগী মতৌগুম লুম্নবা লেমলবা খোঞ্জেম্না ভংহনা ভাংলকলবা মতম অসিদা ভোজ বৃষ্ণি অমমুং অন্ধক বংশগী মীয়াম পুমনমকনা চুম্মি চুম্মি হায়না সমর্থন তৌখি ॥৩২॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতা আদিপর্ব্বদা সুভদ্রাহরনদা বলদেবক্রোধ কৌবা চনী তরাহুমদোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

টিপ্পনী:— হাঙবদি, শাগে জাৎ চাউই হায়দুনা মতিক মপা ওইদবা বৃষ্ণি বংশগী মবুংঙো ঐখোইগা তিমনগা ঐখোয়গা লুকখম অমতদা চামিন্নগা মাগী লেমজখম ওইরিবা ঐখোয়বু কাউথোক্লমদুনা চৎথিবা য়াবরা ? অদুগা ইনে কুন্তীনা পোকপদগী লৈজরিবা সম্বন্ধ অসি নত্তবা ঙাইশেলগী অতোপ্পা সম্বন্ধ অমা থোকহনগে হায়না চুহোক নরিবসি য়াবরা ? অমুম হায়না হংবা বলদেবগী তাৎপর্য্যনি।

শ্রীমহাভারতম্

(সুভদ্রা হরনগী মতাং)

(চপ্নী তরামথি শুবা অধ্যায়)

—:(০):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

উক্তবন্তো যথাবীর্য্যমসকৃৎ সর্ববৃষ্ণয়ঃ। ততোঽব্রবীদ্বাসুদেবো বাক্যং ধর্ম্মার্থসংযুতম্ ॥১॥

নাবমানং কুলস্যাস্য গুড়াকেশঃ প্রযুক্তবান্। সম্মানোঽভ্যধিকস্তেন প্রযুক্তোঽয়মসংশয়ম্ ॥২॥

অর্থলুব্ধান্ ন বঃ পার্থো মন্যতে সাত্বতান্ সদা। স্বয়ম্বরমনাধৃষ্যং মন্যতে চাপি পাণ্ডবঃ ॥৩॥

প্রদানমপি কন্যায়াঃ পশুবৎ কোঽনুমন্যতে। বিক্রয়ঞ্চাপ্যপত্যস্য কঃ কুর্য্যাৎ পুরুষো ভুবি ॥৪॥

এতান্ দোষাংস্তু কৌন্তেয়ো দৃষ্টবানিতি মে মতিঃ। অতঃ প্রসহ্য হৃতবান্ কন্যাং ধর্ম্মেণ পাণ্ডবঃ ॥৫॥

উচিতশ্চৈব সম্বন্ধঃ সুভদ্রা চ যশস্বিনী। এষ চাপীদৃশঃ পার্থঃ প্রসহ্য হৃতবানিতি ॥৬॥

ভরতস্যান্বয়ে জাতং শান্তনোশ্চ যশস্বিনঃ। কুন্তিভোজাত্মজাপুত্রং কো বুভূষেত নার্জ্জুনম্ ॥৭॥

ন তং পশ্যামি যঃ পার্থং বিজয়েত রণে বলাৎ। অপি সর্ব্বেষু লোকেষু সেন্দ্ররুদ্রেষু মারিষ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়— বৃষ্ণি বংশগী অকল অথৌ পুমনমকনা মাগী মাগী মত হায়দোকনরকই। অসিগী তুংদা কৃষ্ণনা প্রমাণ চাবা ব্রাহৈনা হায়রকই ॥১॥ অর্জ্জুননা ঐখোয়গী বৃষ্ণি বংশ অসিবু চোপহনবা থক তৌথিদে, অদুদি লায়রদনা মহাকনা ঐখোয়গী শাগেশিবু য়ামনা ইকায় থুমনবগী থবক অমতুম তৌখ্রে, মাসিদা থক চিংনবিগনু ॥২॥ অসিগী মথক্তা অর্জ্জুননা ঐখোয় বৃষ্ণি বংশগী মীশিং অসি লনথুমদা য়ামন মিহোগনবা, পামগনবা জাংনি হায়নসু খন্দে অদুগা স্বয়ম্বরগী বিবাহ মতৌ অসিসু মশানা পামদে, অদুগা অচুম্বনি হায়নসু খন্দে ॥৩॥ অদুগা ক্ষত্রিয় অমনা কন্যাদানগী বিবাহ মতৌ অসিসু ইপাম পান্নদবনি, কনানা পান্নবগে? অদুগা জগৎ অসিদা করম্বা নিপানা মচানুপী মমল লৌদুনা য়োনবগে? ॥৪॥ ঐন খনবদি, অর্জ্জুন হায়বা ক্ষত্রিয় অদুনা বিষয় পুম্নমক অসি শৌয়দনা যুম্ন খল্লুমগনি হায়বসি ঐনা থাজবগা লোয়ননা খল্লি, অদুনা ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্ম অমদি নিয়মগী মতুং ইনা সুভদ্রাবু নমহনা তাল্লকদবা কনা কনানো তাঙ্গরকউ হায়বগী মতাঙ্গুমনা পুখিব ওইরমাদ্রে ॥৫॥ অদুগা অমরোমদা খল্লুরবাদি সম্বন্ধ অমসু যনা চারি, ময়মদি সুভদ্রাসু মশক মতৌ যজবগী মমিং চৎপী অমনি, অদুগা অর্জ্জুনসু শকতং মহৈ-থৌজলদা অহু মতায়, সম্বন্ধ অসোমদদি চপ চানরি ॥৬॥ অদুগা অর্জ্জুন হায়বা নিপা অসি মিংচৎ চাউরবা ভারত অমসুং শান্তনুগী বংশদা কুন্তীগী গর্ভদা পোকপনি। অদুনা করম্ব নিপানা, অর্জ্জুনগুম্ব অমবু মচানুপী দান তৌননবগী মতিক চাবা বর পাত্র অম ওইহনলিংবা থাওগদগে? ॥৭॥ [illegible] মথক, য়াম্বুং। লানকমদা অশেংবা মহৈ অপায়দনা অর্জ্জুনবু জয় তৌসনবাসি, ইন্দ্রলোক অমসুং রুদ্রলোকনচিংবগী মনুংদা কনা অমত্তবু

স চ নাম রথস্তাবৃত্ত্ যদীয়াস্তে চ বাজিনঃ। যোদ্ধা পার্থশ্চ বীভৎসুঃ কো হু তেন সমো ভবেৎ ॥৯॥
তমভিক্রন্তা সাত্বেন পরবেণ ধনঞ্জয়ম্। নিবর্ত্তয়ত সংহৃষ্টা যথৈষা পরমা মতিঃ ॥১০॥
যদি নির্জিত্য বঃ পার্থো বলাদগচ্ছেৎ স্বকং পুরম্। প্রণশ্যেদ্বো যশঃ সদ্যো ন তু সাত্ত্বে পরাজয়ঃ ॥১১॥
পিতৃষ্বসুশ্চ পুত্রো মে সম্বন্ধং নার্হতি বিগ্রাম্। তচ্ছ্রুত্বা বাসুদেবস্য তথা চক্রুর্জনাধিপ ! ॥১২॥
নিবৃত্তশ্চার্জ্জুনস্তত্র বিবাহং কৃতবান্ প্রভুঃ। উষিত্বা তত্র কৌন্তেয়ঃ সংবৎসরপরাঃ ক্ষপাঃ ॥১৩॥
বিহৃত্য চ যথা কামং পূজিতো বৃষ্ণিনন্দনৈঃ। পুষ্করে তু ততঃ শেষং কালং বর্ত্তিতবান্ প্রভুঃ ॥১৪॥
পূর্ণে তু দ্বাদশে বর্ষে খাণ্ডবপ্রস্থমাগতঃ। অভিগম্য চ রাজানং নিয়মেন সমাহিতঃ ॥১৫॥
অভ্যর্চ্চ্য ব্রাহ্মণান্ পার্থো দ্রৌপদীমভিজগ্মিবান্। তং দ্রৌপদী প্রত্যুবাচ প্রণয়াৎ কুরুনন্দনম্ ॥১৬।
তত্রৈব গচ্ছ কৌন্তেয় ! যত্র সা সাত্বতাত্মজা। সুবদ্ধস্যাপি ভারস্য পূর্ব্ববন্ধঃ শ্লথায়তে ॥১৭॥

ঐদি উব ফংত্রি ॥৮॥ মরমদি, মহাক্লা তোংখ্রিবা রথ অদুগা, ঐগী সগোলশিং অদুগী মতৌগা, লাল শোক্লগদৌরিব নিপা অদুগী মথুৎ থুবা হৈ শিংব মতা অদুগা ফনদি মকই। মাগী লানগী মচাকশিং অদুগা মথুৎ থুরবা অর্জ্জুন অদুগা য়ামনা জুরা চায়। মরম অদুনা করম্বা নিপা অমনা করম্বা হিরমদা চাংদম্বা য়াগদগে ? ॥৯॥ মরম অদুনা ময়াম পুম্নমক্লা হরাক্ত হরাউনা থুনা য়াংনা চৎখিদুনা নীংখিবা অথুম্বা ব্রাহৈনা অর্জ্জুনবু অমুক হল্লকখিম্নবা কৌবিক। মাসি ঐগী মপুং ফারবা মত অমনি ॥১০॥ করিনা হায়রবু অর্জ্জুননা মপাঙ্গম্না অসিগুম্বা থংশদা পোক্লবা ময়ামবু মায়থিব পীরম্বদুনা ইন্দ্রপ্রস্থদা হেকমক চৎখ্রবদি ঐখোয় ময়ামগী মিংচৎ অসি অরেম্বদা মাংখ্রদৌবনিদো। নীংখিবা অথুম্বা ব্রাহৈনা পুরক্লবদি ময়াম পুম্নমক্কী মায় পাকপা নত্তনা মায়খিবা থক ওইরোই ॥১১॥ অদুগা মহাক্লা ঐখোয়গী ইপাগা পোকম্নিবা ইনেগী মচা ওইবগী সম্বন্ধ অমা লৈবনা য়েক্লবা অমাগী মতৌগুম্বা ব্যবহার অদু ঐখোয়দা থক চৎলকলোই। কৃষ্ণগী ঋা অসি তাবদা য়াদবশিংনা হায়রিবা অদুগী মতুং ইন্না থবক পুমনমক ভৌখি ॥১২॥

অদুগী তুংদা অর্জ্জুননা দ্বারকাদা হল্লকগা বিধি কায়দনা বিবাহ তৌখি অমসুং চহি অমা হেম্না দ্বারকাদা লৈদুনা মনিং মথা তমনা হরাউতয়ামনা শান্নদুনা যাদবশিংনা লুনা ভৌবা মীশক অমা ওইদুনা, চহি তরানিথোই শুগদৌবা অরেম্বা মতম অদু পুষ্কর তীর্থদা চৎতুনা লেনখি ॥১৩—১৪॥ অদুগী তুংদা চহি তরানির্থোইনা মপুং ফারবদা, অর্জ্জুননা বনবাসগী নিয়মদা পুক্নিং চংদুনা মরম ইন্দ্র প্রস্থদা হনখিদুনা যুধিষ্ঠির অমসুং ব্রাহ্মণ পুম্নমক্কী পূজা তৌরমলগা দ্রৌপদী নাক্তা চংখি। মতম অদুদা দ্রৌপদীনা সুংশিবা অমসুং ওইনবগী ব্রাহৈনা অর্জ্জুনদা হায়খি ॥১৫—১৬॥

ইনেম কুন্তীগী মচাও। সুভদ্রা লৈবা লমদুদা
লেংবিথরো ইবুংঙো। অমুক কিশ্রবা কিশিগী মনাক্তা
অংভোম্না কিশি অমা অমুক চেৎনা য়েন্না কিশ্রবদি
অহানবগী কিশিদো কোমথোরকপা মশিলনি ॥১৭॥

ততো বহুবিধং কৃষ্ণাং বিলপন্তীং ধনঞ্জয়ঃ । সান্ত্বয়ামাস ভূয়শ্চ ক্ষময়ামাস চাসকৃৎ ॥১৮॥
সুভদ্রাং ত্বরমাণশ্চ রক্তকৌষেয়বাসিনীম্ । পার্থঃ প্রস্থাপয়ামাস কৃত্বা গোপালিকাবপুঃ ॥১৯॥
সাধিকং তেন রূপেণ শোভমানা যশস্বিনী । ভবনং শ্রেষ্ঠমাসাদ্য বীরপত্নী বরাঙ্গনা ॥২০॥
ববন্দে পৃথুতাম্রাক্ষী পৃথাং ভদ্রা যশস্বিনী । তাং কুন্তী চারুসর্ব্বাঙ্গীমুপাজিঘ্রত মূর্দ্ধনি ॥২১॥
প্রীত্যা পরময়া যুক্তা আশীর্ভির্যুঞ্জতাতুলম্ । ততোহভিগম্য ত্বরিতা পূর্ণেন্দুসদৃশাননা ॥২২॥
ববন্দে দ্রৌপদীং ভদ্রা প্রেষ্যাহমিতি চাব্রবীৎ । প্রত্যুত্থায় তদা কৃষ্ণা স্বসারং মাধবস্য চ ॥২৩॥
পরিষ্বজ্যাবদৎ প্রীত্যা নিঃসপত্নোহস্তু তে পতিঃ । তথৈব মুদিতা ভদ্রা তামুবাচৈবমস্ত্বিতি ॥২৪॥
ততস্তে হৃষ্টমনসঃ পাণ্ডবেয়া মহারথাঃ । কুন্তী চ পরমপ্রীতা বভূব জনমেজয় ! ॥২৫॥
শ্রুত্বা তু পুণ্ডরীকাক্ষঃ সংপ্রাপ্তং স্বং পুরোত্তমম্ । অর্জ্জুনং পাণ্ডবশ্রেষ্ঠমিন্দ্রপ্রস্থগতং তদা ॥২৬॥
আজগাম বিশুদ্ধাত্মা সহ রামেণ কেশবঃ । বৃষ্ণ্যন্ধকমহামাত্রৈঃ সহ বীরৈর্মহারথৈঃ ॥২৭॥
ভ্রাতৃভিশ্চ কুমারৈশ্চ যোধৈশ্চ বহুভির্বৃতঃ । সৈন্যেন মহতা শৌরিরভিগুপ্তঃ পরন্তপঃ ॥২৮॥

দ্রৌপদীনা মতৌ অসুমনা মপুক্কিং সুংশিবগী ৱাহৈনা কপ্পা কপ্পা হায়রক্লবদা অর্জ্জুননা নিংথিবা সুংশিবা ৱাহৈনা মহাকপ্ থেমজিন্দুনা ঐগী অরানবসি নং ঙাকউ হায়রখি ॥১৮॥ অদুগী তুংদা অর্জ্জুননা থুনা যাংনা অঙাংবা ফিজোন শেৎলিবী সুভদ্রাবু গোপজাতীগী নিংজোল মৌগী ফিজেৎ শেৎহন্দুনা কুন্তীগী নাক্তা থাজিনখি ॥১৯॥ *

অদুগী তুংদা, ঙাংলৈননা মিৎ কোইরাউনরবী, অকনবগা লোয়নবী, সুপীরক্তগী অথোইবী, শাগৈ জাৎ, মশক্তা ৱাত্তবী সুভদ্রানা শেৎলিবা ফিজোন অদুনা অমুক হেন্না ফজবী ওইদুনা কোংসুংগী অচৌবা শঙ্গায় য়ুমদা চংখিদুনা কুন্তীদেবীদা খুরুম্মুই, মতম অদুদা কুন্তীদেবীনা অৱাৎপা লৈতনা ফজরবী সুভদ্রাগী মকোক্তা নানবিদুনা সুংশিবা মিৎয়েংনা য়েংবিদুনা মকোক মনম নম্বীখি ॥২০—২১॥ অদুগা য়ামনা সুংঙাইখিবদু, হরাও হরাওনা চাংদমনিংঙাই লৈতবা বর পীখি অমসুং আশীর্ব্বাদ তৌখি। অদুদগী মায়থোং থা মানবী সুভদ্রানা থুনয়াংনা দ্রৌপদীগী নাক্তা চংশিনখিদুনা খুরুম্মুই অদুগা হায়জরুই—"ঐদি ইচে ইবেম্মগী মনাই সুপীনি" অদুদগী দ্রৌপদীনা হৌগৎতুনা সুভদ্রাবু কোন্দুনা সুংশিনা তরাম তরাম্বা ৱাহৈনা হায়রকই—"য়েকনবা তিংখং লৈতবা নপুরোইবা ওইরু" ॥২২—২৪॥ অদুগী তুংদা, মহারথী ওইরবা পাণ্ডবশিংনা থোইদোকনা সুংঙাইখি, কুন্তীদেবীসু থোইদোকনা সুঙাইবা ফংখি ॥২৫॥ অসোমদা পাণ্ডবগী মদুংদা অথোইবা অর্জ্জুননা মথোয়গী কোসুং ইন্দ্রপ্রস্থদা লাক্লে হায়বদু তাবদা বৃষ্ণি অমসুং অন্ধক বংশগী মকোক ওইর ওইরবা অকন অথৌ পুন্নমক মহারথী ময়াম, মচিন মনাও ময়াম, দ্বারকাগী মচামচা পাখং মচা ময়াম অমদি থোংমি লাম্মিশিংনা ইকোয় কোয়শিল্লদুনা অমসুং পাক চাওরবা লাম্মি তেঙ্গোন ময়ামনা ঙাক শেল্লদুনা; য়েকনবশা অৱাবা থিপাইবা ফংনবগী মশক ওইরবা কৃষ্ণনা বলরামগা লোয়ননা ইন্দ্রপ্রস্থদা চৎখি

* নীংথিজবা অঙাংবা ফিজোল্লচিংবা শেত্তুনা, মী অমগী মতৌ ওমনা শেৎ-চাদুনা চৎথ্রবদি দ্রৌপদীনা উথ্রগা শাওফিগনি হায়দুনা ফিরুবা, গোপবেশতা শেৎপা কৃষ্ণগী মচন নুপী ওইবগী হৌমবা গোপ নিঙোলগী ফিজেৎ শেৎহনদুনা তুংশিন্না কুন্তীগী মমাংদা থাজিনখিবনি।

তত্র দানপতির্ধীমানাজগাম মহাযশাঃ। অক্রূরো বৃষ্ণিবীরাণাং সেনাপতিররিন্দমঃ ॥২৯॥
অনাধৃষ্টির্মহাতেজা উদ্ধবশ্চ মহাযশাঃ। সাক্ষাদ্‌বৃহস্পতেঃ শিষ্যো মহাবুদ্ধির্মহামনাঃ ॥৩০॥
সত্যকঃ সাত্যকিশ্চৈব কৃতবর্মা চ সাত্বতঃ। প্রদ্যুম্নশ্চৈব সাম্বশ্চ নিশঠঃ শঙ্কুরেব চ ॥৩১॥
চারুদেষ্ণশ্চ বিক্রান্তো ঝিল্লী বিপৃথুরেব চ। সারণশ্চ মহাবাহুর্গদশ্চ বিদুষাং বরঃ ॥৩২॥
এতে চান্যে চ বহবো বৃষ্ণিভোজান্ধকাস্তথা। আজগ্মুঃ খাণ্ডবপ্রস্থমাদায় হরণং বহু ॥৩৩॥
ততো যুধিষ্ঠিরো রাজা শ্রুত্বা মাধবমাগতম্। প্রতিগ্রহার্থং কৃষ্ণস্য যমৌ প্রাস্থাপয়ত্তদা ॥৩৪॥
তাভ্যাং প্রতিগৃহীতন্তু বৃষ্ণিচক্রং মহর্দ্ধিমৎ। বিবেশ খাণ্ডবপ্রস্থং পতাকাধ্বজশোভিতম্ ॥৩৫॥
সংমৃষ্টসিক্তপন্থানং পুষ্পপ্রকরশোভিতম্। চন্দনস্য রসৈঃ শীতৈঃ পুণ্যগন্ধৈর্নিষেবিতম্ ॥৩৬॥
দহ্যতাগুরুণা চৈব দেশে দেশে সুগন্ধিনা। হৃষ্টপুষ্টজনাকীর্ণং বণিগ্‌ভিরুপশোভিতম্ ॥৩৭॥
প্রতিপেদে মহাবাহুঃ সহ রামেণ কেশবঃ। বৃষ্ণ্যন্ধকৈস্তথা ভোজৈঃ সমেতঃ পুরুষোত্তমঃ ॥৩৮॥
সম্পূজ্যমানঃ পৌরৈশ্চ ব্রাহ্মণৈশ্চ সহস্রশঃ। বিবেশ ভবনং রাজ্ঞঃ পুরন্দরগৃহোপমম্ ॥৩৯॥
যুধিষ্ঠিরস্তু রামেণ সমাগচ্ছদ্‌যথাবিধি। মূর্দ্ধি কেশবমাঘ্রায় বাহুভ্যাং পরিষস্বজে ॥৪০॥

॥২১—২৮॥ দান হৈরবা, মরোশিং লৈরবা, অমসুং মিংচৎ চাউরবা বৃষ্ণি বংশগী অকল্লবশিংগী সেনাপতি, অমসুং য়েক্কনবা পুমনমক মুখলবা অক্রুরসু মফম অদুদা চৎখি ॥২৯॥ অদুগা তেজ লৈরবা অনাধৃষ্টি, বৃহস্পতিমক্তী শিষ্য লৌশিং চাউরবা, পুকচেল চাউরবা, অমসুং মিংচৎ চাউরবা উদ্ধব, সত্যক, সাত্যকি, কৃতবর্ম্মা, প্রদ্যুম্ন, সাম্ব, নিশঠ, শঙ্কু, মতিক মগুণ চাউরবা চারুদেষ্ণ, ঝিল্লী, বিপৃথু, মখাক্লোম চাউরবা সারণ অমসুং জ্ঞান লৈবশিংগী মরুদা অথোইবা গদ, মথোয়শিং অসি অমসুং অতোপ্প অতোপ্পপা, বৃষ্ণি, ভোজ, অন্ধক শাগৈ অহমগী মী পুমনমক মতিক চাব অউমপোৎ মপৈ পুরক পুরকুনা ইন্দ্রপ্রস্থদা লাকখি ॥৩০—৩৩। অদুদগী তুংদা নিংথৌ যুধিষ্ঠীরনা কৃষ্ণ লেংলক্নে হায়বা তারুরা অমসুং তরামনা ওক্নতুনা কৌশিল্লুনবা নকুল, সহদেব অনিবু থারকই ॥৩৪॥

মথোয় অনীমক চৎলিবনা থুক্ন্যাফনা মসুংদা লৈশিনরিবা হায়না, তরাম তরামনা হায়রকপি অদুগী তুংদা মতিক মগুণ ময়ম মথম লৈরবা বারশিংনা মখল মখা অমাখক মচুগী ফিরাল অচৌবা অমসুং মদু পরঙ পরেংনা অমুক অকেনা হৈরেংলবা ইন্দ্রপ্রস্থগী নগর মসুংদা চংখি ॥৩৫॥ বলরামগা লোয়ননা কৃষ্ণসু লেংশিনখি; অমুক বৃষ্ণি, ভোজ অন্ধক শাগৈগী মীয়ামসু চংখি। অসিগী মতুংদা ইন্দ্রপ্রস্থগী লম্বী থোং লম্বাউ শভক পুমনমক অরু তরুনা শীৎফোক্লনা অরু অরেনা থাপ থমখ্রবনি, মনম সুংশিনবা লৈ মখল মথক চায়থোক্লনা থমখ্রবনি অমসুং যফম মফমদা মনম সুংশিনবা ধূপ থাওরি থাজল্লনা অগরুচিংবা থাগত্লনা মনম সুংশিনবা হোংনখ্রবনি; নগর মসুং অদু মগী মাউ নোয় পেনবা মীয়াম অমসুং লল্লোন ইত্তিকু তৌবা মীশিং পীক থনি ॥৩৬—৩৮॥ কৃষ্ণনা নগর মসুংদা লেংশিনরকপা অদুদা নগরদা লৈবা মী লিশিং লিশিংনা অমসুং ব্রাহ্মণ মপৈ মপৈনা তরাম তরামনা মফম মফমদা মায়থং তৌরগি মতৌ অদুদুনা কৃষ্ণনা ইন্দ্রগী শংলাগুম্বা মায়ুমদা যুধিষ্ঠীরগী শাংমদা লাকপা লেংশিনখি ॥৩৯॥ যুধিষ্ঠিরনা আশীর্বাদ তৌবনা বলরামবু কোকশি, অমসুং কৃষ্ণগী কোক নাম্দুনা অমসুং নমদুনা পাম্বোম অনী তিংথোক্লনা চেক্না খোকখি ॥৪০॥

তং শ্রীয়মাণো গোবিন্দো বিনয়েনাভ্যপূজয়ৎ। ভীমঞ্চ পুরুষব্যাঘ্রং বিধিবৎ প্রত্যপূজয়ৎ ॥৪১॥
তাংশ্চ বৃষ্ণ্যন্ধকশ্রেষ্ঠান্ কুন্তীপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। প্রতিজগ্রাহ সৎকারৈর্যথাবিধি যথাগতম্ ॥৪২॥
গুরুবৎ পূজয়ামাস কাংশ্চিৎ কাংশ্চিদ্বয়স্যবৎ। কাংশ্চিদভ্যবদৎ প্রেম্ণা কৈশ্চিদপ্যভিবাদিতঃ ॥৪৩॥
তেষাং দদৌ হৃষীকেশো জন্যার্থে ধনমুত্তমম্। হরণং বৈ সুভদ্রায়া জ্ঞাতিদেয়ং মহাযশাঃ ॥৪৪॥
রথানাং কাঞ্চনাঙ্গানাং কিঙ্কিণীজালমালিনাম্। চতুর্যুজামুপেতানাং সূতৈঃ কুশলশিক্ষিতৈঃ ॥৪৫॥
সহস্রং প্রদদৌ কৃষ্ণো গবামযুতমেব চ। শ্রীমন্মাথুরদেশ্যানাং দোগ্ধ্রীণাং পুণ্যবর্চ্চসাম্ ॥৪৬॥
বড়বানাঞ্চ শুদ্ধানাং চন্দ্রাংশুসমবর্চ্চসাম্। দদৌ জনার্দ্দনঃ প্রীত্যা সহস্রং হেমভূষিতম্ ॥৪৭॥
তথৈবাশ্বতরীণাঞ্চ দান্তানাং বাতরংহসাম্। শতান্যঞ্জনকেশীনাং শ্বেতানাং পঞ্চ পঞ্চ চ ॥৪৮॥
স্নানপানোৎসবে চৈব প্রযুক্তং বয়সান্বিতম্। স্ত্রীণাং সহস্রং গৌরীণাং সুবেশানাং সুবর্চ্চসাম্ ॥৪৯॥
সুবর্ণশতকণ্ঠীনামরোমাণাং স্বলঙ্কৃতাম্। পরিচর্য্যাসু দক্ষাণাং প্রদদৌ পুষ্করেক্ষণঃ ॥৫০॥

কৃষ্ণসু যাম্না হরাউনা অমসুং নোনলুক্না যুধিষ্ঠিরবু অমসুং নিপাগী মপুংদা মীথোই মীহেননা ভীমবু নিয়ম কাযদনা থূকমখি ॥ ৪১ ॥ অদুগী মতুংদা যুধিষ্ঠিরনা অহন লম্মনশিংগী মকমদগী ভাখিবা নিয়ম অদু কায়দনা বৃষ্ণি বংশগী অন্ধক বংশগী অথোই অথোইবা মীশিংগা তরাম তরাকনা থূকম থাজংনখি ॥৪২॥ অমসুং গুরুশেল থোরুবদা অমসুং চহিদা অহল ওইবশিং অদুবু গুরুগী মতৌগুমনা পূজা তৌখি, লেংমায়বশিংবু মরূপকী মতৌগুমনা কোমখি অদুগা চহিত্তদা হনবশিং অদুবু থূকমখি, কনা কনাগুম্বনা মুংশিবগা লোয়নমা যুধিষ্ঠিরবুসু নোল্লুক্না থূরমে ॥ ৪৩ ॥ অদুগী তুংদা মিংচৎ চাউরবা কৃষ্ণনা বরয়োমগী শাগে নাতৈশিংগী মথুং মথুক্তা, মতিক চার চারবা মঙল য়ালবা খুদোমগোৎ পীখি; অদুগা সুভদ্র দসু শাগেশিংগী দানগী পোৎচৈ পুমননক পীখি ॥ ৪৪ ॥ অদুগা কৃষ্ণনা সনাগী হৌলবা, শরিক মচা পরেং পরেংগা হায়না ছুম্বা য়াম্বরবা, নীংথিরবা শগোল মরিমচিংলবা অমসুং হৈশিংলবা সারথীনা খৌরবা রথ লিশিং অমা দান হাপখি অদুগা মথুরা দেশতা পোকপী খোইদোক্না নিংথিজরবী শঙোম য়ামনা থোক্লবী য়েংবদা থোইদোকনা মঙল ওইরবী মনবী লিশিং তরা দান তৌখি ॥ ৪৫—৪৬ ॥ কৃষ্ণনা য়ামনা মুংশিনা লুরবা থাগী মঙালগী মতৌগুমনা তৌকনরবা অমসুং সনাগী লৈতেং মথক মথক লৈতেং লবী শগোল অমেম লিশিং অমা দান তৌখি ॥ ৪৭ ॥ মকোক্তা অমুবা মশোংবা থম্না হৌরবী মচুর্দি তৌরোক হৈরবী, মুংশিংকী মমাং থানা চেনবী অমসুং ত্বঞীতুনা নীংথিনা হৈ শিংলবী শগোল মোইশেমোক লিশিং অমা দান তৌখি ॥৪৮॥

অদুগা কুসু তৌরবী মশক মঙলবী মথোং মারকপী নৈনবী লিশিং অমা দান তৌখি; মনোয়শিং অসিদি মমাং ওনলী থোনা সুভদ্রাগী ইক মায়থরবা, পানা হৈনা লানথিনবা অমসুং করাই তাননা লাক্লবা, সুভদ্রাগী সেবা চংতুনা লৈশিল্লবা জাত্রশিং; মনোয়শিং অশিবী মশিংজোব শেংচারিবশিং অদুবু মতাংদা লাকশিল্লবা অদুগা মশকনা লোইনা, কাইলক, মঙরবা, শিংদোল মমিকি মতিক চারবশিং, মশা মত্তু ওনান ওনাল্লি মতু কুপই, অদুগা মথোয়শিংসি কে মৌবদা হৈশিনবি ওাক্রশিং ৪৯—৫০ ॥

প্রষ্ঠানামপি চাশ্বানাং বাহ্লিকানাং জনার্দ্দনঃ। দদৌ শতসহস্রাণি কন্যাধনমনুত্তমম্ ॥৫১॥
কৃতাকৃতস্য মুখ্যস্য কনকস্যাগ্নিবর্চ্চসঃ। মনুষ্যভারান্ দাশার্হো দদৌ দশ জনার্দ্দনঃ ॥৫২॥
গজানান্তু প্রভিন্নানাং ত্রিধা প্রস্রবতাং মদম্। গিরিকূটনিকাশানাং সমরেষ্বনিবর্ত্তিনাম্ ॥৫৩॥
কॢপ্তানাং পটুঘণ্টানাং চারূণাং হেমমালিনাম্। হস্ত্যারোহৈরুপেতানাং সহস্রং সাহসপ্রিয়ঃ ॥৫৪॥
রামঃ পাণিগ্রহণিকং দদৌ পার্থায় লাঙ্গলী। প্রীয়মাণো হলধরঃ সম্বন্ধং প্রতিমানয়ন্ ॥৫৫॥
স মহাধনরত্নৌঘো বস্ত্রকম্বলফেনবান্। মহাগজমহাগ্রাহঃ পতাকাশৈবলাকুলঃ ॥৫৬॥
পাণ্ডুসাগরমাবিদ্ধো প্রবিবেশ মহানদঃ। পূর্ণমাপূরয়ংস্তেষাং দ্বিষচ্ছোকাবহোঽভবৎ ॥৫৭॥
প্রতিজগ্রাহ তৎ সর্ব্বং ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ। পূজয়ামাস তাংশ্চৈব বৃষ্ণ্যন্ধকমহারথান্ ॥৫৮॥
তে সমেতা মহাত্মানঃ কুরুবৃষ্ণ্যন্ধকোত্তমাঃ। বিজহ্রুরমরাবাসে নরাঃ সুকৃতিনো যথা ॥৫৯॥
তত্র তত্র মহাপানৈরুৎকৃষ্টতলনাদিতৈঃ। যথাযোগং যথাপ্রীতি বিজহ্রুঃ কুরুবৃষ্ণয়ঃ ॥৬০॥

কৃষ্ণনা বাহ্লিক দেশগী মখোং য়াংলবা, থম্বাইদগী ফরবা শগোল লাখ অমম্ব দান তৌই ॥ ৫১ ॥ মী তরানা পুবা ওম্বা সনানা শাবা পোৎ অমসুং ইশা শান্দবা অশেংবা সনা মতুম ওইনম্ব অউন পোৎ ওইনম্ব দান তৌখি ॥৫২॥

বলরামনম্ব অর্জ্জুনদা শামু লিশিং অমা দান হাপই; হায়রিবা চীংদূমগী মতোৌগুম্না ৱাং চাউরবা, শামুশিং অসি য়াথিরবদা হনব হৈত্তবা ওংক্রুনি, চাইকং অনীগা লোইননা মচুম শিম্বুরিবা থমথেংনা মপাঙ্গন কল্লকলিবা ওাক্রুনি অমসুং সনাগী পরেংনা লৈত্তেংলিবা, তম্বীদুনা হৈরবা অমসুং য়েংবদা ফজরবা ৱাক্রুনি মখোয় অসিগী মঙকশমদা শরীক পরেং য়াল্লি, মহুৎ (মউৎ) অমমম ওম্না লোযনৈ ॥৫৩—৫৫ ॥ হায়রিবা অউনপোৎ মপৈ অসিনা অচৌ অচৌবা তুরেনগী মশক ওইদুন পাণ্ডবকী মশক ওইরবা ইপাক্তা চেলশিল্লক্লি, ইপাক অহগী লৈখাদ লৈবা মণি মুক্তানা, পৈনরকইবা লল থুম অতুনা ওইরি, হায়রিবা সমুদ্র অসিগী ইমায়থক্তা কারকপা কোংগোল মপৈনা ঙৌর ঙৌরব মমল য়ামলবা ফি মপৈ পুল্লপ পুল্লপ থমলিবা অঙনা ওইরি, ঈশিং অহদা লৈবা অচৌ অচৌবা ঙানা ৱাং চাউরবা শামু মপৈ অতুনাওইরি অমসুং ঈশিংদা লৈহ চরাংনা হায ছমলিবা ফিরান গরেং পরেং অঙনা ওইরে। হায়রিবা তুরেন অচৌবশিং অসিনা পাক চাউরবা ইপাক অতবু মপুং ফাহন্দুনা মপান্দা লেপলিবা য়েক্লবাশিংগী থমোইদা অকিবা কল্লকপগী ইথক ইত্তত্তনা হোৌবল্লি ॥৫৬—৫৭ ॥ ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠিরনা হরাউ হরাউনা লৌশিল্লি অমসুং তরাম তরাম্না থাগৎপা ৱাহৈনা বৃষ্ণি অমসুং অন্ধক বংশগী মহারথীশিং অদুবু ইকায় খুমনখি ॥ ৫৮ ॥

অদুগী তুংদা কুরু, বৃষ্ণি অমসুং অন্ধক শাগৈ অহুমগী পুকচেল চাউরবশিং অদুগা তিন্নদুনা পুণ্য চেন্নবা প্রজা অতৈশিং অহস্থ স্বর্গদা লাইয়ামখিবিক্লা শান্নবগুমনা মনীং মথা তৌনা নুংঙাইনা শাননখি ॥ ৫৯ ॥ মখোয় পুমনমক অসিনা ফন্ন ফরবা দলাই অমদি মথদা তোংখত্নুনা অথোয় মখোয়গী খুদোং চাবা য়েংদুনা হরাউ তয়ামনা শামখি ; মখোয়গী রথশিং অতুনা থৌনরকপা মতমদা চাকাশিংগা কজরর ফুংশিরবা খোঞ্জেল থোকনখি ॥৬০॥

এবমুত্তমবীর্য্যাস্তে বিহৃত্য দিবসান্ বহূন্। পূজিতাঃ কুরুভির্জগ্মুঃ পুনর্দ্বারবতীং পুরীম্ ॥৬১॥
রামং পুরস্কৃত্য যযুর্বৃষ্ণ্যন্ধকমহারথাঃ। রত্নান্যাদায় শুভ্রাণি দত্তানি কুরুসত্তমৈঃ ॥৬২॥
বাসুদেবস্তু পার্থেন তত্রৈব সহ ভারত!। উবাস নগরে রম্যে শক্রপ্রস্থে মহামনাঃ ॥৬৩॥
ব্যচরদ্যমুনাতীরে মৃগয়াং স মহাযশাঃ। মৃগান্ বিধ্যন্ বরাহাংশ্চ রেমে সার্দ্ধং কিরীটিনা ॥৬৪॥
ততঃ সুভদ্রা সৌভদ্রং কেশবস্য প্রিয়া স্বসা। জয়ন্তমিব পৌলোমী খ্যাতিমন্তমজীজনৎ ॥৬৫॥
দীর্ঘবাহুং মহোরস্কং বৃষভাক্ষমরিন্দমম্। সুভদ্রা সুষুবে বীরমভিমন্যুং নরর্ষভম্ ॥৬৬॥
অভীশ্চ মন্যুমাংশ্চৈব ততস্তমরিমর্দ্দনম্। অভিমন্যুমিতি প্রাহুরার্জ্জুনিং পুরুষর্ষভম্ ॥৬৭॥
স সাত্বত্যামতিরথঃ সম্বভূব ধনঞ্জয়াৎ। মখে নির্ম্মথনেনেব শমীগর্ভাদ্ধুতাশনঃ ॥৬৮॥
যস্মিন্ জাতে মহাতেজাঃ কুন্তীপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। অযুতং গা দ্বিজাতিভ্যঃ প্রাদান্নিষ্কাংশ্চ ভারত! ॥৬৯॥
দয়িতো বাসুদেবস্য বাল্যাৎ প্রভৃতি চাভবৎ। পিতৄণাঞ্চৈব সর্ব্বেষাং প্রজানামিব চন্দ্রমাঃ ॥৭০॥
জন্মপ্রভৃতি কৃষ্ণশ্চ চক্রে তস্য ক্রিয়াঃ শুভাঃ। স চাপি ববৃধে বালঃ শুক্লপক্ষে যথা শশী ॥৭১॥
চতুষ্পাদং দশবিধং ধনুর্ব্বেদমরিন্দমঃ। অর্জ্জুনাদ্বেদ বেদজ্ঞঃ সকলং দিব্যমানুষম্ ॥৭২॥

মপাঙ্গল চাউরবা যাদবশিংনা মতৌ অশুম্না সুমিৎ কয়ানি হরাউ তয়াম্না লেল্লগা যুধিষ্ঠিরন-চিংবা পুম্নমকা ইকায় থুম্না বিদায় লৌনরগা দ্বারকা তাম্না হল্লখি ॥৬১॥ মাথোই ময়াম অস্থ যুধিষ্ঠিরনা পীরকপা মনিমুক্তা ময়াম অস্থ পুস্থনা, বলরামনা মাং থারস্থনা চৎখি ॥৬২॥ কৃষ্ণতদি অর্জ্জুনগা লোয়ননা ইন্দ্রপ্রস্থগী কোম্মুংদা লৈছোই ॥৬৩॥ অর্জ্জুনগা লোয়ননা যমুনা মপান্দা হঙ্গৎহন্দা চৎতুনা কৃষ্ণনা মুংঙাইনা মতম লেনখি; অর্জ্জুনগা অমতা ওইনা শজীশঙাই ওক্রুচিংবা কয়া শিকার তৌদুনা মুংঙাইমিন্নরম্মি ॥৬৪॥ অসিগী তুংদা শচী দেবীনা মিংচৎ চাওরবা জয়ন্ত কুমারবু পোকখিবা অদুগুম্না কৃষ্ণগী থন্নাইদগী মুংশিনা থমজরবী মচন সুপী সুভদ্রাগী অভিমন্যু কৌবা মচা অমা পোকখি ॥৬৫॥ মতুংদা অভিমন্যু হায়বসি, মপাম্বোম চাও-শাংলবা, মথবাক ফল্লবা পাল্লবা, যণলাবগী মমিৎকী মতৌগুমলবা, কোয়রাওনয়বা মিৎ অনিনা মহাক্কী ওইবা, য়েক্লবা ঙম্বা, মপাঙ্গল মরীল লৈবা অমসুং নিপারক্তগী অথোবা মীশক অমা ওইখি ॥৬৬॥ নিপারক্তগী অথোইবা, অর্জ্জুনগী মচা নিপা অসি, অক্কিবা লৈগদ্দে, য়াম্না শাওগল্লি হায়দুনা মী পুম্নমক্না মহাকপু অভিমন্যু হায়না অহম থোক্লম্মে ॥৬৭॥ মঙ্গগী মৈ, মৈবাচিংদুনা পুথোক্লবা শুম্বল শাননবা শমী কৌবা উগী মমুংদা মৈনা থুপতুনা লৈবগুম অভিরথি ওইবা অভিমন্যু হায়বসি অর্জ্জুনগী ঈনা সুভদ্রাগী মচা ওইনা পোকখি ॥৬৮॥ অভিমন্যু পোকপা মতমদা যুধিষ্ঠিরনা ব্রাহ্মণসীংদা যণবী লিশিং তরা অদুগা শনাগী লৈতেং মথক মথক দান তৌখি ॥৬৯॥ থান মী পুম্নমক্কী মফমদা মুংশিনফম ওইবা অদুগুম্না অভিমন্যু হায়বসি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা কৃষ্ণ অমসুং যুধিষ্ঠিরনচিংবগী মুংশিনফম অতোপ্পা অতাং ওইনা লৈরম্মি ॥৭০॥ মরম অদুনা অভিম[illegible]্যু হেক পোকপদগী কৃষ্ণনা মাগী কাম্নবা অফবা থবক্তম তৌদুনা লাকল্লি; অভিমন্যুসু থাঁনথংলকপা থাগী মতৌগুম নোংম নোংমগী হম হম চাওথংলকই ॥৭১॥ অভিমন্যুনা মপা অর্জ্জুনদগী বেদ পুম্নমক অমসুং ধনুর্ব্বেদ পুম্নমক তমহনা হৈখি; ধনুর্ব্বেদগী মথোং

বিজ্ঞানেষপি চাস্ত্রাণাং সৌষ্ঠবে চ মহাবলঃ। ক্রিয়াস্বপি চ সর্ব্বাসু বিশেষানভ্যশিক্ষয়ৎ ॥৭৩॥
আগমে চ প্রয়োগে চ চক্রে তুল্যমিবাত্মনা। তুতোষ পুত্রং সৌভদ্রং প্রেক্ষমাণো ধনঞ্জয়ঃ ॥৭৪॥
সর্ব্বসংহননোপেতং সর্ব্বলক্ষণলক্ষিতম্। দুর্দ্ধর্ষমৃষভস্কন্ধং ব্যাত্তাননমিবোরগম্ ॥৭৫॥
সিংহদর্পং মহেষ্বাসং মত্তমাতঙ্গবিক্রমম্। মেঘদুন্দুভিনির্ঘোষং পূর্ণচন্দ্রনিভাননম্ ॥৭৬॥
কৃষ্ণস্য সদৃশং শৌর্য্যে বীর্য্যে রূপে তথাকৃতৌ। দদর্শ পুত্রং বীভৎসুর্মঘবানিব তং যথা ॥৭৭॥
পাঞ্চাল্যপি তু পঞ্চভ্যঃ পতিভ্যঃ শুভলক্ষণা। লেভে পঞ্চ সুতান্ বীরান্ শ্রেষ্ঠান্ পঞ্চাচলানিব ॥৭৮॥
যুধিষ্ঠিরাৎ প্রতিবিন্ধ্যং সুতসোমং বৃকোদরাৎ। অর্জ্জুনাচ্ছ্রুতকর্ম্মাণং শতানীকঞ্চ নাকুলিম্ ॥৭৯॥
সহদেবাচ্ছ্রুতসেনমেতান্ পঞ্চ মহারথান্। পাঞ্চালী সুষুবে বীরানাদিত্যানদিতির্যথা ॥৮০॥
শাস্ত্রতঃ প্রতিবিন্ধ্যং তমূচুর্ব্বিপ্রা যুধিষ্ঠিরম্। পরপ্রহরণজ্ঞানে প্রতিবিন্ধ্যো ভবত্বয়ম্ ॥৮১॥
সুতে সোমসহস্রে তু সোমার্কসমতেজসম্। সুতসোমং মহেষ্বাসং সুষুবে ভীমসেনতঃ ॥৮২॥

মরিনি অমসুং মওং তরা-থোক্না লৈ হায়রিবা মওং তরা অসি স্বর্গ অমসুং মর্ত্ত্যদা শিজিন্নহন্না লৈ-রিবনি ॥৭২॥ * অর্জ্জুননা অভিমন্যুবু খুৎলাইগী জ্ঞানদা অমসুং শিজিন্নবদা মপাঙ্কা চপমান্না শেমগৎলম্মি অমসুং মচা অভিমন্যুবু উরগা থোইদোক্না নুংঙাইবা পেঙ্ববা পোকখি ॥৭৩॥ করিনা হাইববু অভিমন্যুনা য়েক্লবা মনবা পোরোন পুমনমক উরম্মি থংগুম্মি, অফবা লক্ষণ পুমনমকনা ত্তিন্নবা নিপানি, চীক্লগে হায়দুনা মথা কাখোকতুনা লৈবা লিলগী মতৌগুম লাকঙম ফাঙমগ্রবা অমসুং অচৌবা লীরুং পাইবা শিংগী মসুংদা অথোইবা ওইরম্মি ; শাবানদি, মরেংজুমনা ঘণলাবগী মতৌগুম্মি, মরীন অমসুং ময়াই কাবদা নোংশাগুম্মি, মতিক মগুণ মপাঙ্গদা মচুম তাবা শামুগুম্মি, হায়দোরকপদা অমদি ঙংথোরকপদা স্বর্গগী পুংজাউগী মখোলগুম্মি, মশক্তা মপুং ফাবা থাগুম্মি ॥৭৪—৭৬॥

মমাংদৌদা ইন্দ্রনা অর্জ্জুনবু কৃষ্ণমক্কা মান্নবা উথিবা অদুগুমহৌনা অর্জ্জুনগী মচা অভিমন্যুবু কনবদা থৌবদা, ফজবদা, মওং মতৌ ফিভমদা কৃষ্ণমক্কা চপমান্না উই ॥৭৭॥ অসেংবা অফবা লক্ষন্না ত্তিন্নবী দ্রৌপদীগীসু মপুরোইবা মঙাগী মকমদগী চীংগুম্বা কনবা মচা নিপা মঙা পোকখি ॥৭৮॥ অদিতিনা দেবতাশিংবু পোকখিবা অদুগুমনা দ্রৌপদীনা যুধিষ্ঠিরগী মকমদগী প্রতিবিন্ধ্য, ভীমদগী সুতসোম, অর্জ্জুনগী মকমদগী শ্রুত কর্ম্মা, নকুলদগী শতানীক, অমসুং সহদেবদগী শ্রুতসেন কৌবা মচা মঙা কংখি ॥৭৯—৮০॥ যুধিষ্ঠিরগী মচা অসি অতোপ অতোপপা খুৎলাইনা মীনা ফুরকপা থারকপা পুমনমক বিন্ধ্যচীংগী মতৌগুমনা ইরাই লাইনা থংদোকপা অমসুং ভাকথোকপা ওইগনু হায়বগীদমক ব্যাকরণগী মতুংইন্না প্রতিবিন্ধ্য হায়না থোনখিবনি ॥৮১॥ সোম যাগ কৌবা যজ্ঞ তৌরবা তুংদা দ্রৌপদীনা ভীমসেনগী মকমদগী সুমিৎ থাগী মতৌগুমনা তেজ লৈরবা মচা অসি পোকখি হায়দুনা ভীমগী মচা অসিবু

* টীকা।—ধনুর্ব্বেদগী মখোঃ মরি হায়বদি— অহানবদা কাপথোকফিবিডে কংক্রিটগী মথাংদা লেপ্লবা থোংবা অমদি পায়দুনা লৈবা মঙ্গ, অনিশুবদা তেন চিংবা, খুৎলাই অমা লৌথৎলকপা॥ অহুমশুবদা শিজিন্নবা অমসুং লোইশিনবা, মরিশুবদা—মন্ত্রনা সাধন তৌদুনা রথ অমসুং ফিরাঙ্গাচিংবা শুংয়াম কায়দনা থবা, অসিনি। মওং তরা হায়বনা—(১) লৌথংবা (২) সন্ধান তৌবা, (৩) থাদোকপা, (৪) হনবা, (৫) কিবগ চেংমা লৈবা, (৬) খুমুম লৈবা, (৭) শিজিন্ন-নবা, (৮) অশোইবা শেবা, (৯) কোইইরে লৈবা অমসু লৌবা শিজিনবা।

শ্রুতং কর্ম্ম মহৎ কৃত্বা নিবৃত্তেন কিরীটিনা। জাতঃ পুত্রস্তথেত্যেবং শ্রুতকর্ম্মা ততোঽভবৎ ॥৮৩॥
শতানীকস্তু রাজর্ষেঃ কৌরব্যস্য মহাত্মনঃ। চক্রে পুত্রং সনামানং নকুলঃ কীর্ত্তিবর্দ্ধনম্ ॥৮৪॥
ততস্ত্বজীজনৎ কৃষ্ণা নক্ষত্রে বহ্নিদৈবতে। সহদেবাৎ সুতং তস্মাৎ শ্রুতসেনেতি তং বিদুঃ ॥৮৫॥
একবর্ষান্তরাস্তু তে দ্রৌপদেয়া যশস্বিনঃ। অন্বজায়ন্ত রাজেন্দ্র! পরস্পরহিতৈষিণঃ ॥৮৬॥
জাতকর্ম্মাণ্যানুপূর্ব্ব্যা চূড়োপনয়নানি চ। চকার বিধিবদ্ধৌম্যস্তেষাং ভরতসত্তম! ॥৮৭॥
কৃত্বা চ বেদাধ্যয়নং ততঃ সুচরিতব্রতাঃ। জগৃহুঃ সর্ব্বমিষ্বস্ত্রমর্জ্জুনাদ্দিব্যমানুষম্ ॥৮৮॥
দিব্যগর্ভোপমৈঃ পুত্রৈর্ব্যূঢোরস্কৈর্মহারথৈঃ। অন্বিতা রাজশার্দ্দূল! পাণ্ডবা মুদমাপ্নুবন্ ॥৮৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি
হরণাহরণে চতুর্দ্দশাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—(০)—

সুতসোম হায়না থোনখি ॥৮২॥ অর্জ্জুননা জগৎনা তানখ্ৰবা অণ্ডকপা অমদি অকনবা কর্ম্ম তৌরবা তুংদা অমসুং ফাউববা মগুণ চাউরবা তীর্থ বয়া কোযকবা তুংদা পোকই হায়ষ্টনা অর্জ্জুনগী মচা অসিবু শ্রুত কর্ম্মা হায়না থোনখি ॥৮৩॥ কুরুবংশদা শতানীক হায়না কৌরবা পুকচেল চাউরবা নিংথৌ অমা পোকখি, অদুগী মতুংইন্না নবুলনা মিংচৎ চাউরবা মচা অসিবু শতানীক হায়না থোনখি ॥ ৮৪ ॥ *

অদুগী তুংদা দ্রৌপদীনা কৃত্তিকা কৌবা নক্ষত্রনা পুবা পুংফমদা পোকখি হায়দুনা মচা অসিবু শ্রুত সেন হায়না থোনখি ॥৮৫॥ ‡ মহারাজ জনমেজয়! দ্রৌপদীগী মচাশিং অসি চহি অমম খয়ে মচিন মনাওশিং মতমগী মতুংইন্না মিংচৎ চাউরবা অমসুং অমনা অমগী ফননবদা তৌরবা মীশক ভাক্তা ওইখি ॥৮৬॥ রাজ পুরোহিত ধৌম্যাচার্য্যনা অহনলমনগী মথং মনাও কাযদনা মথোয় কুম্নমককী জাত কর্ম্মা, চূড়াকরণ, নাতুৎপা, লাইমিং লৌবা নোংগুণ থংবা অমসুং বিদ্য রস্তনচিংবা সংস্কার পুম্নমক মথং মথং তৌখি ।৭৭। অসিগী তুংদা মথোয় পুম্নমক ব্রহ্মচারী ওইষ্টনা, বেদ তমদুনা মপা অর্জ্জুনগী মফমদগী মীরমলেন অমদি লাইরমলেন অনিগী থুংস্ত্র খুৎলাই লোয়না তমখি ॥ ৮৮ ॥ মহারাজ! মতৌ অসুমনা পাণ্ডবনা মথবাক্ কল্লবা অমসুং মহারথী ওইরক্রবা মচাশিং অসিগা লোয়ননা স্বর্গ মর্ত্ত্য অনীগী সুখভোগ তৌখি ॥৮৯॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা হরনাহরণগী মনুংদা চনিগা তরা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

* টীকা :— মমাংদৈদা শাগৈদা ফাউখিবা মপা, মপু, মবুথৌশিংগী মমিং লৌহুনা মচা মরাগী মমিং থোনবা শাস্ত্রবিধিগী মতুংইন্না অকবনি হায়খি। মাসি পৃথিবীগী মফম পুম্নমক্তা হৌজিক ফাউবা চৎনরি।

‡ টীকা কৃত্তিকা নক্ষত্রদা পোক্লগা শ্রুতসেন কৌখিবগী মরমদি — কৃত্তিকা শব্দগী অর্থনা মৈবুংগী ওমই, পুম্নামকপু চাকথেকপা, মকবৎপা ওইনা কৃত্তিকা নক্ষত্রদা পোকপা মনমনা, মী পুম্নমকনা তানবা থনবা, সেনা হায়বদি [illegible] কৃত্তিকা নক্ষত্রদা পোকপা মচা অসিবুগী শ্রুতসেন হায়না কৌখি।

শ্রীমহাভারতম্

(খাণ্ডব বন মৈ থাবগী, মৈনা ব্রাহ্মন ওইনা লাকপা)

(চনি তরামঙা শুবা অধ্যায়)

—:(†):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ইন্দ্রপ্রস্থে বসন্তস্তে জঘ্নুর্বন্যান্নরাধিপান্। শাসনাদ্ধৃতরাষ্ট্রস্য রাজ্ঞঃ শান্তনবস্য চ ॥১॥
আশ্রিত্য ধর্ম্মরাজানং সর্ব্বলোকোঽবসৎ সুখম্। পুণ্যলক্ষণকর্ম্মাণং স্বদেহমিব দেহিনঃ ॥২॥
স সমং ধর্ম্মকামার্থান্ সিষেবে ভরতর্ষভ!। ত্রীনিবাত্মসমান বন্ধূন্ নীতিমানিব মানয়ন্ ॥৩॥
তেষাং সমবিভক্তানাং ক্ষিতৌ দেহবতামিব। বভৌ ধর্ম্মার্থকামানাং চতুর্থ ইব পার্থিবঃ ॥৪॥
অধ্যেতারং পরং বেদান্ প্রয়োক্তারং মহাধ্বরে। রক্ষিতারং শুভাল্লোকান্ লেভিরে তং জনাধিপম্ ॥৫॥
অধিষ্ঠানবতী লক্ষ্মীঃ পরায়ণবতী মতিঃ। বর্দ্ধমানোঽখিলো ধর্ম্মস্তেনাসীৎ পৃথিবীক্ষিতাম্ ॥৬॥
ভ্রাতৃভিঃ সহিতো রাজা চতুর্ভিরধিকং বভৌ। প্রযুজ্যমানৈর্বিততা বেদৈরিব মহাধ্বরঃ ॥৭॥
তং তু ধৌম্যাদয়ো বিপ্রাঃ পরিবার্য্যোপতস্থিরে। বৃহস্পতিসমা মুখ্যাঃ প্রজাপতিমিবামরাঃ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— পাণ্ডবশিংনা ইন্দ্রপ্রস্থদা লৈত্তুনা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্র অমসুং ভীষ্মগী য়াথং মতুং ইন্না তত্তেপ অতোপপা দেশগী নিংথৌশিংবু মাযথিবা পীখি ॥১॥ জীবপানবা পুন্নমক্কা, কজবা লক্ষন্না তিল্লগা অফবা থবক্তা তৌরবা মশাগী হকচাংবু ফংজরগা নুংঙায়না য়েখায় থিঙায় অনা অয়েক লৈতনা লৈবা অহংগুমলত্তুনা মতম অত্তুগী প্রজা পুন্নমকনা অফবা লক্ষন্না তিল্লবা, ধর্ম্ম থোক-লবা থবক্তদা পুক্নিং চংলবা যুধিষ্ঠিরবু ফংজবদা নুংঙায়না নীংঙায়বা লৈতনা পান্থি ॥২॥ মতম অত্তুদা নীতি খংলবা যুধিষ্ঠিরনা ধর্ম্ম, অর্থ, অমসুং কামবু মশামক্কা চপমান্নবা চান্নরবা মকাপ অহুমগী ম-তৌগুমনা চপমান্ননা অহুম অসিগী সেবা তৌখি ॥৩॥ নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা তাইবংমী অহুমগী মতৌগুমনা ধর্ম্ম, অর্থ অমসুং কামবু চপমান্ননা য়েন্থোক্লত্তুনা মথোয় অহুম অসিগী মথক্তা মরিগুবগী মতৌগুমনা পৃথিবীপুম্বা অসিগী লৈতেং ওইনা পাল্লম্মি অমসুং নীংথিজরম্মি ॥৪॥ থাক্তৈশেংনা হায়করবদি বেদতা লৈনত্তুনা লৈরবা অচৌ অচৌবা যজ্ঞ তৌরবা অমসুং লমচৎ ফজরবা মী পুন্নমক্পু ঙাকপী লৈরবা যুধিষ্ঠিরবু প্রজাশিংনা মরাইবক ফবনা মনিংথৌ ওইনা ফংজবনি ॥৫॥ যুধিষ্ঠিরনা নিংথৌরেন ওইবা মতম অসিদা মথাদা লৈবা নিংথৌ পুন্নমক্কী রাজ লক্ষ্মীনা মাগী মাগী কোক্তুংদা লেংনা লৈরম্মি মাগী মাগী বুদ্ধিনা অচুম্বদা পাম্বা হায়বতু ওইরম্মি, অমসুং ধর্ম্ম পুন্নমক চাউথখলম্মি ॥৬॥ বেদ মরিগী বিধান কায়দমা তৌবা মহাযজ্ঞনা নীংথিবগুম বেদ মরিগী মশক ওইরবা মনাও মরিগা লোয়-ননা মহাযজ্ঞগী মশক ওইরবা যুধিষ্ঠিরনা থোইদোক্না নীংথিবা ফজবা ওইখি ॥৭॥ দেবতাশিংনা ব্রহ্মাগী

ধর্ম্মরাজে হৃতিপ্রীত্যা পূর্ণচন্দ্র ইবামলে। প্রজানাং রেমিরে তুল্যং নেত্রাণি হৃদয়ানি চ ॥৯॥
ন তু কেবলদৈবেন প্রজা ভাবেন রেমিরে॥ যদ্বভূব মনঃ কান্তং কর্ম্মণা স চকার তৎ ॥১০॥
অযুক্তং ন চাসত্যং নাসহ্যং ন চ বিপ্রিয়ম্। ভাষিতং চারুভাষস্য যজ্ঞে পার্থস্য ধীমতঃ ॥১১॥
স হি সর্ব্বস্য লোকস্য হিতমাত্মন এব চ। চিকীর্ষন্ সুমহাতেজা রেমে ভরতসত্তমঃ ॥১২॥
তথা তু মুদিতাঃ সর্ব্বে পাণ্ডবা বিগতজ্বরা। অরমন্ পৃথিবীপালাংস্তাপয়ন্তঃ স্বতেজসা ॥১৩॥
ততঃ কতিপয়াহস্য বীভৎসুঃ কৃষ্ণমব্রবীৎ। উষ্ণানি কৃষ্ণ! বর্ত্তন্তে গচ্ছাবো যমুনাং প্রতি ॥১৪॥
সুহৃজ্জনবৃতৌ তত্র বিহৃত্য মধুসূদন!। সায়াহ্নে পুনরেষ্যাবো রোচতাং তে জনার্দ্দন ॥১৫॥

বাসুদেব উবাচ।

কুন্তীমাতর্মমাপ্যেতদ্রোচতে যদ্বয়ং জলে। সুহৃজ্জনবৃতাঃ পার্থ! বিহরেম যথাসুখম্ ॥১৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

আমন্ত্র্য তৌ ধর্ম্মরাজমনুজ্ঞাপ্য চ ভারত। জগ্মতুঃ পার্থগোবিন্দৌ সুহৃজ্জনবৃতৌ ততঃ ॥১৭॥

আরাধনা তৌবা অদুগুমনা বৃহস্পতিগা মান্নবা হৈরবা ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিংনা অকোয়বদা লৈহনা মহারাজ যুধিষ্ঠিরগী উপাসনা অমস্ং আরাধনা তৌখি ॥৮॥

মপূং ফারবা থাগুম নীংথিজববা যুধিষ্ঠিরগী মায়থোং উবদা নুংশিবনা প্রজাশিংগী মমিৎ অমসুং মপূক্লিং অত্থু চপ মান্নবা অপেনবা নুংঙাইব ফংখি ॥ ৯ ॥ মতম অতুগী প্রজাশিংনা, ফংলিবা হরাওবা নুংঙাইবা চাওখৎপা অসি মখোয়গী মরায়বক ফরকপা'ঙাকনসু নত্রি, মখোয় মশেল অমগা তৌনবা ব্যবহার অমসুং চংনবা শাজৎ অত্থনসু অয়াম্বা নুংঙাইব ফংবনি। মরমদি মখোয়গী অমগা অমগা লৈনরিবা পুকচেল অমস্ং তৌনরিবা ব্যবহার অদো য়াম্না নুই, লৌথোক লৌক্লোয় লৈনদে। অসিগুম্বা লমচৎ ব্যবহার অসিমক যুধিষ্ঠির মশামকনা পোকহনখিবনি ॥১০॥ শিংলবা অমসুং হ্রাঙাং খোন্দা ফজরবা থুম্নবা যুধিষ্ঠিরনা করিগুম্বা কালদা যুক্তি চাদবা ধর্ম্ম কায়বা চুমদবা অমস্ং মীনা তাবদা খাংহনা লৈবা ঙমদবা ৱাহৈ অমতস্, হায়খিদে—ঙাংখিদে ॥ ১১ ॥ অতৈ অমগা মান্নৱবা মতিক-মগুন্না মহাক্কী ওইরবা, ভরতশাগৈগী অখোইবা যুধিষ্ঠিরনা মী পুম্নমক্কী কান্নবা তৌরগা নশাগীসু কান্নবা তৌরগজা পেজ্জবা নুংঙাইবা ফংভি ॥১২॥

পাণ্ডবশিংনা অব্বা অনা থংদনা, নুংঙাইনা পান্দুনা, অতোপ অতোপপা নিংথৌশিংবু মখোয়গী মতিক মগুন্না মিপাইবা অকিবা পীরনা নীংঙাইবা লৈতনা লৈখি ॥১৩॥ অসিগী তুংদা সুমিৎ কয়ানি লেপ্লবা তুংদা, লোংমা অর্জ্জুননা কৃষ্ণদা হাঙৈখি কৃষ্ণ! য়ামনা শাখ্রে, ওলাংখ্রে; অহনা অচীকপা যমুনাগী মপান্দা কোয়খোকউসি, চৎসি ॥১৪॥ কৃষ্ণ! মরূপ মপাংগা লোয়ননা মফম অদুদা হঙৎহন্দা চৎতুনা নুংখিল চুপপা কোয়খোকউরগা সন্ধ্যাগী মতমদা হস্তিনলকপসি করি হায়বগে? ঐনা হায়রিবসি কৃষ্ণসীস্ অপাম্বা মত্ত ওইসন্থ ॥১৫॥ কৃষ্ণনা হায়—ঐস্ মাচুমক পাম্মি, মরূপমপাং পুম্নমক্কা লোয়ননা যমুনাগী ঈংলবা ঈশিংদা ঈরোয়দুনা শান্নরুসি ॥১৬॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—অসিগী তুংদা কৃষ্ণ অমদি অর্জ্জুন অনিমকনা যুধিষ্ঠির মহারাজগী মফম

বিহরন্ খাণ্ডবপ্রস্থে কাননেষু চ মাধবঃ। পুষ্পিতোপবনাং দিব্যাং দদর্শ যমুনাং নদীম্ ॥১৮॥
তস্যাস্তীরে বনং দিব্যং সর্ব্বর্ত্তুসুমনোহরম্। আলয়ং সর্ব্বভূতানাং খাণ্ডবং খড়্গচর্ম্মভৃৎ ॥১৯॥
দদর্শ কৃৎস্নং তং দেশং সহিতঃ সব্যসাচিনা। ঋক্ষগোমায়ুশার্দ্দূল-বৃকরুরুমৃগান্বিতম্ ॥২০॥
বিহারদেশং সম্প্রাপ্য নানাদ্রুমমনুত্তমম্। গৃহৈরুচ্চাবচৈর্যুক্তং পুরন্দরপুরোপমম্ ॥২১॥
ভক্ষ্যৈর্ভোজ্যৈশ্চ পেয়ৈশ্চ রসবদ্ভির্মহাধনৈঃ। মাল্যৈশ্চ বিবিধৈর্গন্ধৈর্যুক্তং বার্ষ্ণেয়পার্থয়োঃ ॥২২॥
বিবেশান্তঃ পুরং তূর্ণং রত্নৈরুচ্চাবচৈঃ শুভৈঃ। যথোপজোষং সর্ব্বশ্চ জনশ্চিক্রীড় ভারত ॥২৩॥
স্ত্রিয়শ্চ বিপুলশ্রোণ্যশ্চারুপীনপয়োধরাঃ। মদস্খলিতগামিন্যশ্চিক্রীড়ুর্বামলোচনাঃ ॥২৪॥
বনে কাশ্চিজ্জলে কাশ্চিৎ কাশ্চিদ্বেশ্মসু চাঙ্গনাঃ। যথাদেশং যথাপ্রীতি চিক্রীড়ুঃ পার্থকৃষ্ণয়োঃ ॥২৫॥
দ্রৌপদী চ সুভদ্রা চ বাসাংস্যাভরণানি চ। প্রাযচ্ছতাং মহার্হাণি স্ত্রীণাং তে স্ম মদোৎকটে ॥২৬॥
কাশ্চিৎ প্রহৃষ্টা ননৃতুশ্চুক্রুশুশ্চ তথাপরাঃ। জহসুশ্চাপরা নার্য্যঃ পপুশ্চান্যা বরাসবম্ ॥২৭॥

দগী য়াথং নীতুনা লোৌরগা মরূপ মপাংশিংনা ইকোয কোযাশল্লতুনা যমুনা রোমদা চৎখি ॥ ১৭ ॥ কৃষ্ণনা ইন্দ্রপ্রস্থগী লৈরিব হৈকোল লৈকোন পুম্নমক শীনথুংনা কোয়খি অত্তদগী পুকনিং হুননবগী মশক ওইরবী যমুনাবু উখি মতম অদুদা যমুনগী তোর্ববান্দা লৈরিবা লৈকোল পুম্নমক্ক মথল মথা অয়াম্বা লৈ শাৎলম্মি ॥১৮॥ থাং চুজোয় য়াল্লবা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনগা লোয়ননা যমুনাগী মপাল নাকল অমদা লৈরিবা খাণ্ডব কোবা বন অমম্মং মাহুগী অকোয়বদা লৈরিবা কজরবা মফম পুম্নমক চৎচত্তুনা কোয়েং য়েংখি। খাণ্ডব বন হায়রিব অসি মতম লৈন খিবিক্তা ঋতু পুম্নমক্তা ইফত কজহুনা লৈ মথল মথা অয়াম্বা জীবস্ বন অসিগী মনুংদা লৈরি। শওম, লমহুই কৈ কৈশালমচিংবা কৈমচা আং আং অমমুং শজী শজাই মথল মথলনা কোয়চৎ চত্তুনা লৈরিবনি ॥১৯—২০॥ কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমক্কা শারকমদ থুংখি মফম অহ মথল মথা অয়াম্বা উনা থম্না য়োবনা অমমুং কজ কজরবা য়ুমনা থননা লৈবনা ইন্দ্রগী অমরাবতী পুরগুম নিংথিজরম্বী অমমুং মফম অদুদা হাওরব থুমলবা অচাথক অমল য়াম-কাবা মণি মুক্তাগী পরেং মথল মথা অযাম্বনা, মনম নুংশিরবা অমমুং উবদা মজলগী মশক ওইরবা পোৎ তাক্কন্দা পীক থম লৈরম্মি। মতম অদুদা কৃষ্ণ অমমুং অর্জ্জুনগী, লোয়নবা মনাই মশাল খিবিকনা থুনা য়াংনা চৎখিহুনা অন্তঃপুর মনুং চংখি, অমমুং মুংগাইহুনা শাম্রখি ॥২১—২৩॥ নীংথু তাব কজবী, চাওরব থবাক নীংথিজবী, মথোৎ কারকপগী ময়াইনা তাথক-তথক্ক। চৎলিবী মিত্তা লাংদনা পুকনিং শুঙ্ষাংনবগী মশক ওইরবী মুপী নহা কয়াম্ব ঈশিংদা শাম্ররি ॥২৪॥ কৃষ্ণ অমমুং অর্জ্জুনগী য়াথংমতুং ইন্না, মান-মান পাম্ব অদুগী মতুং ইন্না কনা কনাগুম্বীনা বনদা, কনা অমনা ঈশিংদ, কনা অমমনা ইমুংদা মথল মথলগী মশাম্র শাম্ররি ॥২৫॥ দ্রৌপদী সুভদ্রা অনীনা মুংঙাইবগী ময়াইনা ইথক কাম্রল লোয়নবী কজবী মনাই মশাল মতাশিংদা মথল মথা অযাম্ব মমল য়ামল হামলবা পোৎচৈ থাক্তা মনা ওইনা য়েনথি অমমুং দান তৌখি ॥২৬॥

কনান মুংঙাইনা জগোইব্ব শারি, কনান কনাবু কৌনরি লাওনরি;
কনান নোক্লি, কনাম অথুম অহাও চারি, কনান হাওরবা ময়াইকাব মহী থক্কুনা তুন্নরি ॥২৭॥

কৃকুধুশ্চাপরাস্তত্র প্রজয়ুশ্চ পরস্পরম্। মন্ত্রয়ামাসুরন্যাশ্চ রহস্যানি পরস্পরম্ ॥২৮॥
বেণুবীণামৃদঙ্গানাং মনোজ্ঞানাঞ্চ সর্ব্বশঃ। শব্দেনাপূর্য্যতে হ স্ম তদ্বনং সুসমৃদ্ধিমৎ ॥২৯॥
তস্মিংস্তথা বর্ত্তমানে কুরুদাশার্হনন্দনৌ। সমীপং জগ্মতুঃ কঞ্চিদুদ্দেশং সুমনোরমম্ ॥৩০॥
তত্র গত্বা মহাত্মানৌ কৃষ্ণৌ পরপুরঞ্জয়ৌ। মহার্হাসনয়ো রাজন্! ততস্তৌ সন্নিষীদতুঃ ॥৩১॥
তত্র পূর্ব্বাতীতানি বিক্রান্তানীতরাণি চ। বহূনি কথয়িত্বা তৌ রেমাতে পার্থমাধবৌ ॥৩২॥
তত্রোপবিষ্টৌ মুদিতৌ নাকপৃষ্ঠেঽশ্বিনাবিব। অভ্যাগচ্ছত্তদা বিপ্রো বাসুদেবধনঞ্জয়ৌ ॥৩৩॥
বৃহচ্ছালপ্রতীকাশঃ প্রতপ্তকনকপ্রভঃ। হরিপিঙ্গোজ্জ্বলশ্মশ্রুঃ প্রমাণায়ামতঃ সমঃ ॥৩৪॥
তরুণাদিত্যসঙ্কাশশ্চীরবাসা জটাধরঃ। পদ্মপত্রাননঃ পিঙ্গস্তেজসা প্রজ্বলন্নিব ॥৩৫॥
উপসৃষ্টন্তু তং কৃষ্ণৌ ভ্রাজমানং দ্বিজোত্তমম্। অর্জ্জুনো বাসুদেবশ্চ তূর্ণমুৎপত্য তস্থতুঃ ॥৩৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি খাণ্ডবদাহে ব্রাহ্মণরূপানলাগমনে পঞ্চদশাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—·(০)·—

কনান কনাবু লাক্তুনা চিংলি, কনান কনাবু থিংহনা চংহন্দ্রি।
কনান ঈন্নরি, কনান ফুনবি, কনান কনাবু লংনরি,
কনাগুম্বী শিং থরদি অচীকপা মফমদা চংদুনা, অথুপ্পা ব্বারী শানরি ॥২৮॥
বীনা-বাঁশী পুংগী খোঙ্গেননা, মহৈমরোংনা চুমলবা, নীংথিবা উপবন অদো,
পূর্মনিন নিনখ্রে, মথুম মরাং হোখ্রে ॥২৯॥

মতৌ অসুমনা নুংঙাইববা উৎসব অদু তৌবিরৈদা, কৃষ্ণগা অর্জ্জুনগা অনীনা নীংথিজরব অচীকপ মফমদা চংখি ॥৩০॥ মহারাজ জনমেজয়! কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীনা অদুগুম্বা মফমদা চত্তুনা মমল য়াম্রব আসন অমা থাদুনা ফম্মিন্নখি ॥৩১॥ মফম অদুদা ফমিননদুনা মমাংগৈদা তৌখিবা থুকল পাঙ্গলগী থবক ময়াম অমসুং অতোপ অতোপ্পা থৌদোক্কী মরমদা ব্বারী শা শাদুনা পোথামিননরি ॥৩২॥ স্বর্গগী মথক থংব শরক্ত লৈবা অশ্বিনীকুমার অনীগী মতৌগুম্বা মফম অদুদা ফম্মিননদুনা নুংঙাইনখি। মতম অদুমক্তদা অনী অদু তাননা ব্রাহ্মণ অমা লাকই, মহাক্কী হকচাংদি চিংশু পাম্বীগী মতৌগুম চুমদ্রিং চুম্ন ব্বাং চাওই, কুচুদি ফুদোংবা সনাগী মতৌগুম্মি, মকোয় মরাংদি উহী মচু মাল্লি অমসুং লংজ্রিক লংডি, মওংদি ব্বাংবা চাওবা অদুক নোয়, অনৌবা নুমিৎকী মতৌগুম্বা তেজ লৈ। কৌপীন শেৎলি জটা পুই, ঙাংলৈন্‌রবা তেজনা মায়কৈ মরি পূমদাল ঙাল্লি, মমিৎ অনীনা থম্বাল লৈনাগী মতৌগুম ফজৈ ॥৩৩—৩৫॥ মহাক্কা নাক্ত অম্বম নকশিল্লকপদু উবদা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীম্ব হৌগত্তুনা লেক লৈ ॥৩৬॥

অহৌবা অসিদা শ্রীমহাভারতত্তা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বাদা ব্রাহ্মণরূপানলাগমন" গী মতাংদা চানীগা তরামক্তা শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্।

(কুন্তীর ওন্দুনা লৈরম্বা অপ্সরাবু লানবিবা)

(চনি তরাতরুক শুবা অধ্যায়)

—:(০):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

সোঽব্রবীদর্জ্জুনঞ্চৈব বাসুদেবঞ্চ সাত্বতম্। লোকপ্রবীরৌ তিষ্ঠন্তৌ খাণ্ডবস্য সমীপতঃ ॥১॥

ব্রাহ্মণো বহ্বাশী ভুঞ্জেঽপরিমিতং সদা। ভিক্ষে বার্ষ্ণেয়পার্থৌ বামেকাং তৃপ্তিং প্রযচ্ছতম্ ॥২॥

এবমুক্তৌ তমব্রূতাং তাবুভৌ কৃষ্ণপাণ্ডবৌ। কেনান্নেন ভবাংস্তৃপ্যেত্তস্যান্নস্য যতাবহে ॥৩॥

এবমুক্তস্তু ভগবানব্রবীৎ পাবকস্ততঃ। ভাষমাণৌ তদা বীরৌ কিমন্নং ক্রিয়তামিতি ॥৪॥

ব্রাহ্মণ উবাচ।

নাহমন্নং বুভুক্ষে বৈ পাবকং মাং নিবোধতম্। যদন্নমনুরূপং মে তদ্যুবাং সম্প্রযচ্ছতম্ ॥৫॥

ইদমিন্দ্রঃ সদা দাবং খাণ্ডবং পরিরক্ষতি। ন চ শক্নোম্যহং দগ্ধুং রক্ষ্যমাণং মহাত্মনা ॥৬॥

বসত্যত্র সখা তস্য তক্ষকঃ পন্নগঃ সদা। সগণস্তৎকৃতে দাবং পরিরক্ষতি বজ্রভৃৎ ॥৭॥

তত্র ভূতান্যনেকানি রক্ষ্যন্তে স্ম প্রসঙ্গতঃ। তং দিধক্ষুর্ন শক্নোমি দগ্ধুং শক্রস্য তেজসা ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়— ব্রাহ্মণ অমুনা খাণ্ডব বনগী মনাক্ত লৈরিবা লমদম অদুদা পোথাক্তুনা লৈরিবা কৃষ্ণ অমদি অর্জ্জুনগী মফমদা হায়রকই ॥১॥ ঐদি য়াম্না মাত্র হেন্না চাগনবা ব্রাহ্মণ অমনি; মতম লৈবা থিবিক্তা কা-হেন্না চারিবনি। অহনা কৃষ্ণ অর্জ্জুন। অঙ্গুনা নখোয় অনীদা হায়জরি ঐবু অমুক্তদি পেলহল্লু ॥২॥ বা অসি তাবদা কৃষ্ণ অর্জ্জুননা ব্রাহ্মণ অদুদা হায়রকই— ব্রাহ্মণদি করম্বা পোৎ চারগতা পেনবগে? ঐখোয় ভুম্নমখৈ মাতু ফংননবা হোৎনজগে ॥৩॥ "ঐখোয় করি পোৎ থিজো হায়বগে, মাতু ফংননবা হোৎনজগে" হায়বসি তাবদা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমক্তা ব্রাহ্মণগী মখক লৌরিবা মৈনা হায়রকই ॥৪॥ ব্রাহ্মণদুনা হায়— ঐদি করিগুম্বা মখলগী চাক অমতা চাজনীংদে। ঐবু অগ্নি দেবতাঘক্তি হায়না অনীনা অদুম খংবিয়ু। অহনা ঐগী মতিক চাবা চিক্লাক অদু অনীনা খন্দুনা অদুম পীবিয়ু ॥৫॥ খাণ্ডব হায়বা বন অসি ইন্দ্রনা ঙাকশেন্দুনা লৈরিবনি। মানা ঙাক্তুনা লৈবা অসিদা ঐনা অমুক্ত চাকে হায়বসি ইত্তম ভমদদুনা লৈরিবনি ॥৬॥ বন অসিগী মমুংদা তক্ষক হায়বা লিল অসি মাগী মতু-মচাগা লোয়ননা বন অসিদা লৈ; মাহাক্কী মমক্তা ইন্দ্রনা মশানা ঙাক্তুনা লৈরিবনি ॥৭॥ ইন্দ্রনা তক্ষক কৌবা লিল অসিবু ঙাকপগা লোয়ন লোয়ননা জীব অৈন্দুমু ঙাক্তুনা লৈরিবনি; মরম অহনা বন অসি ঐনা ফন য়াম্না চাকনিংদুনসু ইন্দ্রগী মতিক মগুণ মশাকনা

স মাং প্রজ্বলিতং দৃষ্ট্বা মেঘাম্ভোভিঃ প্রবর্ষতি। ততো দগ্ধুং ন শক্নোমি দিধক্ষুর্দাবমীপ্সিতম্ ॥৯॥
স যুবাভ্যাং সহায়াভ্যামস্ত্রবিদ্ভ্যাং সমাগতঃ। দহেয়ং খাণ্ডবং দাবমেতদ্বরং বৃতং ময়া ॥১০॥
যুবাং হ্যুদকধারাস্তা ভূতানি চ সমন্ততঃ। উত্তমাস্ত্রবিদৌ সম্যক্ সর্ব্বতো বারয়িষ্যথঃ ॥১১।

জনমেজয় উবাচ।

কিমর্থং ভগবানগ্নিঃ খাণ্ডবং দগ্ধুমিচ্ছতি। রক্ষ্যমাণং মহেন্দ্রেণ নানাসত্ত্বসমাবৃতম্ ॥১২॥
নহ্যেতৎ কারণং ব্রহ্মন্! অল্পং সম্প্রতিভাতি মে। যদ্দদাহ সুসংক্রুদ্ধঃ খাণ্ডবং হব্যবাহনঃ ॥১৩॥
এতদ্বিস্তরশো ব্রহ্মন্! শ্রোতুমিচ্ছামি তত্ত্বতঃ। খাণ্ডবস্য পুরা দাহো যথা সমভবন্মুনে! ॥১৪॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

শৃণু মে ব্রুবতো রাজন্। সর্ব্বমেতদ্যথাতথম্। যন্নিমিত্তং দদাহাগ্নিঃ খাণ্ডবং পৃথিবীপতে! ॥১৫॥
হন্ত তে কথয়িষ্যামি পৌরাণীমৃষিসংস্তুতাম্। কথামিমাং নরশ্রেষ্ঠ! খাণ্ডবস্য বিনাশিনীম্ ॥১৬॥
পৌরাণ শ্রূয়তে তাত! রাজা হরিহয়োপমঃ। শ্বেতকির্নাম বিখ্যাতো বলবিক্রমসংযুতঃ ॥১৭॥
যজ্বা দানপতির্ধীমান যথা নান্যোঽস্তি কশ্চন। ঈজে চ স মহাযজ্ঞৈঃ ক্রতুভিশ্চাপ্তদক্ষিণৈঃ ॥১৮॥

অসিনা হৌজিক ফাওবা ইনিং তৌনা চাকপা ঙমদ্রি ॥৮॥ ঐনা খজিক্কুং হেক চাকপা হৌরকপদা ইন্দ্রনা নোং মপৈ থাদরক্কূনা হেক্কো মুৎথৎলি; মরম অদুনা ঐনা অমুক্তং চাকে হায়না খল্লিবা বন অসি ফনা য়াম্না খঙ্গে হায়বা অদু মঙায়, হৌজিক ফাওবা লোইনা চাকপা ঙমদ্রি ॥৯॥ ইবুংঙো নখোয় অনীদি লান হৈরবা থুজু খুৎলাই লোইনা হৈরবা মক্তনি, মরম অদুনা নখোয় অনীগী নত্তেংদগী ইন্দ্রনা ঙাকলিব বন অসি অমুক্তা চাকথেকচগে। অসিগুম্বা চিঙ্গাক অসিতনি ঐনা নখোয় অনীদগী চাক্তগে হায়দুনা নিরিবসিনি ॥১০॥ নখোয় অনীদি ফব ফরবা থুজু খুৎলাই লৈববা মক্তনি। মরম অদুনা নখোয় অনীনা নোংগী মরিশিং অদুবু অমম্বং বন অদুদগী হেন্দোকখিগদোবা শা-উচেকশিং অদুবু থিংদুনা থদ্বিগদৌবনি ॥১১॥ ৱারি তারিবা জনমেজয়না হংঙি— মহর্ষি! শা, উচেক জীব পুম্নমক্না থম্না লৈরিবা অদুগা ইন্দ্রমক্তম্ ঙাক্লিবা খাণ্ডব হায়বা বন অসিবু করিগী দমক মৈনা অশুক যাম্না চাক্লিংঙনো? ॥১২॥ মৈনা শাওদুনা খাণ্ডব বনবু অমুক্তং চাকে হায়না খল্লিবা অদু তরাই তরাইবদি ওইরম্লোই হায়না ঐনা খল্লি ॥১৩॥ মরম অদুনা মহর্ষি! মমাংঙৈদা অগ্নি দেবতানা খাণ্ডব বন অসিবু শাওদুনা চাকপা হৌখিবা অদুগী মরমশিং অদু মথংশিংনা কোয়না লীখিবু তাজগে ॥১৪॥

বৈশম্পায়নন্না হায়খি— প্রজাবু সুংঙায়হনবা জনমেজয়! কয়ি মরমগী খাণ্ডব বনবু চাকনিংখিবা থৌদোক অমসুং মরম পুম্নমক অদু মথংশিংনা লীগে তাও ॥১৫॥ নিপা মরক্তগী অথোইবা! নংঙোন্দা ঐনা খাণ্ডব বন মৈ থাবগী মরম অসি লীগে, থৌদোক অসি পুরানদা ইদূনা লৈখ্রবনি, মুনিশিংনসু সুংঙায়না তানরিবা অমনি ॥১৬॥ ইবুংঙো! তাও লীগে পুরাণদা ঐথোয়না তায়, ইন্দ্রগা মাননা পুংকন পাঙ্গলবা শ্বেতকি হায়না কৌবা ফাওরবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মি ॥১৭॥ শ্বেতকি নিংথৌনা বিধি কায়দনা যজ্ঞ লিংথৎখি অমসুং দান তৌবদা ময়ায় কানা হৈনিংবগা লোয়ননা তৌখি; [illegible] [illegible] কনাগুম্বা নিংথৌ অমতনা মাগা মাবা লৈখিদ্রে। মহারু মরাং কায়না দক্ষিনা তৌদুনা

তত্র সম্ভারবান্ ভূত্বা বিষয়ে নিবসন্ নৃপঃ। সত্রে ক্রিয়া সমারেভে দানেষু বিবিধেষু চ ॥১৯॥
ঋত্বিগ্‌ভিঃ সহিতো ধীমানেবমীজে স ভূমিপঃ। ততস্তু ঋত্বিজস্তস্য ধূমব্যাকুললোচনাঃ ॥২০॥
কালেন মহতা খিন্নাস্তত্যজুস্তে নরাধিপম্। ততঃ প্রচোদয়ামাস ঋত্বিজস্তান্ মহীপতিঃ ॥২১॥
চক্ষুর্বিকলতাং প্রাপ্তা ন প্রপেদুশ্চ তে ক্রতুম্। ততস্তেষামনুমতে তদ্বিপ্রৈস্তু নরাধিপঃ ॥২২॥
সত্রং সমাপয়ামাস ঋত্বিগ্‌ভিরপরৈঃ সহ। তস্যৈবং বর্ত্তমানস্য কদাচিৎ কালপর্য্যয়ে ॥২৩॥
সত্রমাহর্ত্তুকামস্য সংবৎসরশতং কিল। ঋত্বিজো নাভ্যপদ্যন্ত সমাহর্ত্তুং মহাত্মনঃ ॥২৪॥
স তু রাজাঽকরোদ্‌যত্নং মহান্তং সসুহৃজ্জনঃ। প্রণিপাতেন সান্ত্বেন দানেন চ মহাযশাঃ ॥২৫॥
ঋত্বিজোঽনুনয়ামাস ভূয়োভূয়স্ত্বতন্দ্রিতঃ। তে চাস্য তমভিপ্রায়ং ন চক্রুরমিতৌজসঃ ॥২৬॥
স চাশ্রমস্থান্ রাজর্ষিস্তানুবাচ রুষান্বিতঃ। যদ্যহং পতিতো বিপ্রাঃ! শুশ্রূষায়াং ন বঃ স্থিতঃ ॥২৭॥
আশু ত্যাজ্যোঽস্মি যুষ্মাভির্ব্রাহ্মণৈশ্চ জুগুপ্সিতঃ। তন্নার্হথ ক্রতুশ্রদ্ধাং ব্যাঘাতয়িতুমস্য তাম্ ॥২৮॥

চাউর চাউরবা যজ্ঞ তৌতুনা দেবতাশিংগী পেম্নবা তৌখি ॥১৮॥ মহারাজ! অসি নত্তবা অতে থবক অমদা মহাত্মা পুক্লিং চংবা তৌখিদে, সুমিৎ খুদিংগী যজ্ঞ, দানচিংবা অফবা থবক্তা অমসুং মথল মখা অয়াম্বা দানগী থবক্তা পুকনিং চংতুনা লৈখে, ॥১৯॥ বুদ্ধি লৈরবা খেতকি নিংথৌনা মতৌ অসুম তৌনা রাজ পুরোহিতশিংগা লোয়ননা সুমিৎ চুপ্পা যজ্ঞদা তৌদূনা লৈথ্রবনিদো, মাদূদা যজ্ঞ ফম্লিবা পুরোহিতশিংগী মমিৎ অদু মৈথুনা পাংবা য়াখিদ্রবনি, মবম অদুনা মতম কুইনা কমলকপা যজ্ঞ অদুদা ব্বারতুনা নিংথৌ অদুবু থাদোক্ত্না চংখ্রে। অদু ফাউবদা নিংথৌ অদুদি যজ্ঞ অহ কাংয়দনা অত্তমক তৌহুনা লৈহৌরি লৈহৌরিবা ব্রাহ্মণশিং অহবু যজ্ঞ তৌখো হাযহনা তৌহল্লি ॥২০—২১॥ অহদা ব্রাহ্মণশিং অদুনা মমিৎ নাত্রে হাযদুনা যজ্ঞ অহ লোইনা মপুং ফানা তৌখিদ্রে। অদুগী মতুংদা নিংথৌ অদুনা ব্রাহ্মণশিং অহগী য়াথং লৌতুনা অতোপ অতোপ্পা পুরোহিতশিংগা তাত্রহনা যজ্ঞ অহ উচিন নাচিন লোইশিনখ্রে। থোদোক অসিগী মতুংদা সুমিৎ কয়ানি হৌখ্রবা তুংদা অমুক খেতকি হায়রিবা নিংথৌ অসিনা চহি চাম চুপ্পা তৌবা যজ্ঞ অমা লিংখৎকে হায়না ক্লিংখৎলক্রে; অদুবু ব্রাহ্মণ পুরোহিত কনাগুম্বা অমতনা হন্দক্তি য়াখিদ্রে ॥২২—২৪॥ অদু ফাউবদা নিংথৌ অদুনা মরূপ মপাং খরগা লোয়ননা তৌখিবা থবক হন্দনা, অতনবা পুম্নমক থাদোক্ত্না লৈশি লৈথোক্তুনা শেল য়াম্না পীতুনা পুরোহিতশিং অদুদা হন্না হন্না হায়জখি। অদু ফাউবদা মখোয়না নিংথৌনা নিংবহ থুংহনখিদ্রে ॥ ২৫—২৬ ॥ মতম অদদা নিংথৌ অদুনা শাউরতুনা মখোয়গী আশ্রমদা চৎতুনা পুরোহিতশিং অদদা অসুম হাঙ্গৈরকই— ব্রাহ্মণ পুমনমক! যজ্ঞ লোয়শিনবা ওমদহনা ঐনা কররিগুম্বা পতিত ওইরবদি নখোয় পুমনমকপু সেবা তৌবয়াবা মতিক চংবা হায়বা স্বতুমা ঐখোক্তে ॥ ২৭ ॥ অদুদগীদি ঐ অসি নখোয়গা তিন্নু খোংনবা য়াদ্রবা, ঈস্বোকপা ফাউবা য়ারবা অমা ওইরগনি অদুদগীদি নখোযত নত্তনা অতে ব্রাহ্মণশিংগী মকমদসু তুকচনফম ওইরে। অদুগা থাজৈশংবামক্তি ঐসি পতিত ওইরমক্তি নত্তেকো। অহনা ব্রাহ্মণ পুরোহিত নখোয় পুমনমকা যজ্ঞ হায়বা অসিগী অমমদা ঐগী লৈরিবা বিশ্বাস ভক্তি অসে নখোয়না থুগায়বা তারে অসিগুম্বা দী অমাগী বিশালসু মযামনা অহহলুদি

অস্থানে বা পরিত্যাগং কর্ত্তুং মে দ্বিজসত্তমাঃ । প্রপন্ন এব বো বিপ্রা ! প্রসাদং কর্ত্তুমর্হথ ॥২৯॥
সান্ত্বদানাদিভির্ব্বাক্যৈস্তত্ত্বতঃ কার্য্যবত্তয়া । প্রসাদয়িত্বা বক্ষ্যামি যন্নঃ কার্য্যং দ্বিজোত্তমাঃ ॥৩০॥
অথবাহং পরিত্যক্তো ভবদ্ভির্দ্বেষকারণাৎ । ঋত্বিজোঽন্যান্ গমিষ্যামি যাজনার্থং দ্বিজোত্তমাঃ ! ॥৩১॥
এতাবদুক্ত্বা বচনং বিররাম স পার্থিবঃ । যদা ন শেকু রাজানং যাজনার্থং পরন্তপ ! ॥৩২॥
ততস্তে যাজকাঃ ক্রুদ্ধাস্তমূচুর্নৃপসত্তমম্ । তব কর্ম্মাণ্যজস্রং বৈ বর্ত্তন্তে পার্থিবোত্তম ! ॥৩৩॥
ততো বয়ং পরিশ্রান্তাঃ সততং কর্ম্মবাহিনঃ । শ্রমাদস্মাৎ পরিশ্রান্তান্ স ত্বং নস্ত্যক্তুমর্হসি ॥৩৪॥
বুদ্ধিমোহং সমাস্থায় ত্বরাসম্ভাবিতোঽনঘ ! । গচ্ছ রুদ্রসকাশং ত্বং স হি ত্বাং যাজয়িষ্যতি ॥৩৫॥
সাধিক্ষেপং বচঃ শ্রুত্বা সংক্রুদ্ধঃ শ্বেতকির্নৃপঃ । কৈলাসং পর্ব্বতং গত্বা তপ উগ্রং সমাস্থিতঃ ॥৩৬॥
আরাধয়ন্মহাদেবং নিয়তঃ সংশিতব্রতঃ । উপবাসপরো রাজন্ ! দীর্ঘকালমতিষ্ঠত ॥৩৭॥
কদাচিদ্দ্বাদশে কালে কদাচিদপি ষোড়শে । আহারমকরোদ্রাজা মূলানি চ ফলানি চ ॥৩৮॥

চুমদে মাহ্র থক য়ারোই ॥২৮॥ * অদুগা মরম ইচা চাদনা মীবু তাম্থোকপা ইন্থোকপা হায়বসি পাক য়াবা নত্তে। ঐ নখোয়দা চংজরি, অদুনা মযামস্থু ঐবু মুংশিবিফম থোকপহ্র অদুম মুংশিবিয়ু ॥২৯॥ ব্রাহ্মণ পুম্নমক ! জজ্ঞ অসি তৌবগী থাজৈশেংবা মরম কানবা অমা লৈরি, মাহ্র ঐনা সাম, দাননচিংবা উৎপ্যা ষাহৈনা ব্রাহ্মণশিং নখোয়বু পেনহন্দুনা, ময়াম্না ঐগী দমক তৌবিগদৌরিবা থবক অহ্র ঐ কোম্র হায়জগে ॥ ৩০॥ অদুগা ঐবু মুংঙাইতবা অমগা লোয়ননা, ঐবু হন্দোকপিরবদি, ঐগীদি যজ্ঞ অসি তৌদবা য়াদবনিনা, অতোপ্পা য়ানিংবা ব্রাহ্মণশিং কৌঁদুনা পুরোহিত হাপ্প তারে ॥৩১॥ শ্বেতকি কৌবা নিংথৌনা ব্বা অমনিসি হায়রগা তুমিন্না লৈখি। অহ্র য়োৌনা হায়রব ফাওবদা, যাজক ব্রাহ্মণ-শিং অদুনা যজ্ঞ অদু তৌননবগী দমক্তি নিংথৌনা হায়রিবা ব্বা অদু য়াদ্রে। নিংথৌগী ব্বাঙাং তাবদা, মুংঙাইত্রবা ব্রাহ্মণশিং তদুনা হায়রকই— মহারাজ ! মহারাজগী যজ্ঞদি লোইব থম্বা নাইদনা তৌদনা ভাক লৈরি ॥ ৩২—৩৩ ॥

তৌখিব্রা যজ্ঞ অদুদা অকন্বা ভার অহ্র পুরকপদা ঐখোয় চোকথরে ঙমদ্রে। অদুনা অতোপ্পা ব্রাহ্মণশিংবু পুরোহিত হাপ্পিরগা ঐখোয়বু হন্দোকপিগে হায়ববস্থু য়াম্না ফরে, মাহ্র তৌবিবা য়ারনি ॥৩৪॥ মহারাজনস্থু করিগুম্বা বুদ্ধি চোইবগুম্ব অম্নদগী, চনীং ইত্তা তাবিদনা ঐখোয়গী ইফমদা অমুক লাকপিরি,, অদুবু ঐখোয়দি ঙমজররোই। রুদ্রগী মফম তাম্র চৎপিয়ো মহাক্না মহারাজ যজ্ঞ ম্নরাঈ-না তৌজগনি ॥ ৩৫॥ ব্রাহ্মণশিং অদুনা য়ারক্তবা, ইন্থোরকপদুদা শ্বেতকি কৌবা নিংথৌসিনা অশাওব মুংঙাইত্তবা অমগা লোয়ননা, কৈলাস চীংতাম্র চৎখিদুনা অকিবগী মশক ওইরবা তপস্যা তৌবা হৌখি ॥৩৬॥ যোগধ্যানদা পুক্নিং চংদুনা, ব্রহ্মচারী ওইদুনা, চরা হেন্দুনা, তপস্যা তৌদুনা মহাদেবগী আরাধনা তৌদুনা লৈখি ॥ ৩৭॥ শ্বেতকি নিংথৌনা মুমিৎ তরানিথোয় শুরকপগী অকক্বা পুংকম

টিপ্পনী:— মী অমগী করিগুম্বা থিবয় অমদা থাজবগা লোয়ননা তৌজরিবা থবক অদুদা য়ৈথায়বা পিদ্রনা মাগী থাজবা অদুবু থুগায়রিবা মীশিং অদো মখোয়স্থু বিশ্বাস ঘাতক হায়বা অদুনি। মী অমদা লোনম্ তৌদুনা থাজবা অদুবু থুগায়রিবা মীশিং অদো মখোয়স্থু বিশ্বাস ঘাতক হায়বা অহুনি। মী অমদা লোনম্ তৌদ্রনা থাজহনবা ঘাতক তৌবা ভাক্তনা বিশ্বাসঘাতক কৌবা নত্তে। বিশ্বাস ঘাতক তৌবগা মায়বা পাপ অমা লৈরে কাইদনা শাস্ত্রশিংনা হায়রি। অসিগুম্বা পাপ অসিদি যজমাননা কংবস্থু য়াই পুরোহিতনা কংবস্থু য়াই।

ঊর্দ্ধবাহুরনিমিষস্তিষ্ঠন্ স্থাণুরিবাচলঃ । ষণ্মাসানভবদ্রাজা শ্বেতকিঃ সুসমাহিতঃ ॥৩৯॥
তং তথা নৃপশার্দ্দূলং তপ্যমানং মহত্তপঃ । শঙ্করঃ পরমপ্রীতো দর্শয়ামাস ভারত ! ॥৪০॥
উবাচ চৈনং ভগবান্ স্নিগ্ধগম্ভীরয়া গিরা । প্রীতোঽস্মি নরশার্দ্দূল ! তপসা তে পরন্তপ ! ॥৪১॥
বরং বৃণীষ্ব ভদ্রং তে যং ত্বমিচ্ছসি পার্থিব ! । এতচ্ছ্রুত্বা তু বচনং রুদ্রস্যামিততেজসঃ ॥৪২॥
প্রণিপত্য মহাত্মানং রাজর্ষিঃ প্রত্যভাষত । যদি মে ভগবান্ প্রীতঃ সর্ব্বলোকনমস্কৃতঃ ॥৪৩॥
স্বয়ং মাং দেবদেবেশ ! যাজয়স্ব সুরেশ্বর ! । এতচ্ছ্রুত্বা তু বচনং রাজ্ঞা তেন প্রভাষিতম্ ॥৪৪॥
উবাচ ভগবান্ প্রীতঃ স্মিতপূর্ব্বমিদং বচঃ । নাস্মাকমেষ বিষয়ো বর্ত্ততে যাজনং প্রতি ॥৪৫॥
ত্বয়া চ সুমহত্তপ্তং তপো রাজন্ ! বরার্থিনা । যাজয়িষ্যামি রাজংস্ত্বাং সময়েন পরন্তপ ! ॥৪৬॥
সমা দ্বাদশ রাজেন্দ্র ! ব্রহ্মচারী সমাহিতঃ । সততং ত্বাজ্যধারাভির্যদি তর্পয়সেঽনলম্ ॥৪৭॥
কামং প্রার্থয়সে যং ত্বং মত্তঃ প্রাপ্স্যসি তং নৃপ ! এবমুক্তস্তু রুদ্রেণ শ্বেতকির্মনুজাধিপঃ ॥৪৮॥
তথা চকার তৎ সর্ব্বং যথোক্তং শূলপাণিনা । পূর্ণে তু দ্বাদশে বর্ষে পুনরায়ান্মহেশ্বরঃ ॥৪৯॥
দৃষ্ট্বৈব চ স রাজানং শঙ্করো লোকভাবনঃ । উবাচ পরমপ্রীতঃ শ্বেতকিং নৃপসত্তমম্ ॥৫০॥
তোষিতোঽহং নৃপশ্রেষ্ঠ ! ত্বয়েহ স্বেন কর্ম্মণা । যাজনং ব্রাহ্মণানান্তু বিধিদৃষ্টং পরন্তপ ! ॥৫১॥

অমদি কপ্নিগুম্বা মতমদা তরাতরুক্লি শুবা সুমিংকী অফবা পুংকম পুংকম অমদা মতম থজিক্তগী মম্মুংদা উহৈ ম্বাহৈ থরদংত মচায় ॥ ৩৮ ॥ থা তরুক চুপনা পাম্বোম অনী থাংগত্তুনা মমিং-ইকুপ কুপতনা পুম্নাং অনী লোংদনা চাং উগী মতৌগুম লেদনা লেপ্তুনা লৈখি ॥৩৯॥ মহারাজ ! শ্বেতকি কৌবা নিংথৌগী অকনবা তপস্যা অসি উবদা পেনখ্রুদুনা নোংম, মহাদেব লাক্তুনা মাঙোন্দা দশন পীরৈ ॥ ৪০ ॥

মহাদেবনা নীংথিরবা লুম্নবা ম্বাহৈনা হায়রকই— মহারাজ ! নহাক্না তৌরিব তপস্যা অসিদা ঐ য়াম্না পেম্লে, নুংঙাইরে ॥৪১॥ "মহারাজ ! পাম্লিবা অহুগী মতুং ইন্না মঙ্গল ওইবা বর নিয়ু, তাসি ।" নিংথৌ অদুনা মহাদেবগী ম্বা অসি তাবদা খুরুমজুনা খুৎলোম্নুনা হায়রকই— লোক পুম্নমক্না পুজা তৌনরিব ! ঐবু নুংশিরিবরবা অমসুং পেনবিরবদি, হে দেব দেব ! নহাকমক্না পুরোহিত ওইদুনা ঐগী যজ্ঞসিদা মপুং ফাহনবিয়ু । ম্বা অসি তাবদা মহাদেবনা পেনখ্রুদুনা মোমোন নোক্তুনা নিংথৌদা ম্বা অসি হায়রকই — "মহারাজ ! ঐখোয়না মী অমগী পুরোহিত ওইদুনা যজ্ঞ হোম তৌ হায়বা থক লৈতে । মাসি ঐখোয়গী অধিকার নত্তে ॥৪২—৪৫॥ অদুবু নিংথৌ ! বর ফংনিংদুনা অরুবা অকিবা ফংলবা তপস্যা তৌহনা লৈরি, অদুনা নিয়ম অমত্তং য়ানরবদি, ঐ মহারাজগী পুরোহিত ওইদুনা যজ্ঞ তৌগে ॥৪৬॥ মহারাজনা চহী তরানিথোই চুপা ব্রহ্মচারী ওইদুনা সুমিৎ খুদিংগী থীতনা অগ্নিবু পেলহলবা ওমলবদি, ঐ মহারাজনা নীংবা মতুং ইন্না অপাম্বা অদু তৌগে । মহাদেবনা অসুম হায়রম্নবদা শ্বেতকি নিংথৌনা হায়রিবা অদুগী মতুং ইন্না থবক পুম্নমক তৌখি ; চহী তরানিথোইগী মতুংদা অমুক মহাদেবগী মনাক্ত লাকখি ॥৪৭—৪৯॥ জগৎকী সৃষ্টি প্রলয় তৌরিবা মহাদেবনা শ্বেতকি নিংথৌবু উবদা থোইদোক্না পেনখ্রুদুনা হায়রকই ॥৫০॥

মহারাজ ! নহাক্না অকনবা তপস্যানা ঐবু নুংঙাই হনা পেনহল্লে ; অদুবু যজ্ঞ হোম তৌবগী

ততোঽহং ত্বাং স্বয়ং নাস্মি যাজয়ামি পরন্তপ!। মমাংশস্তু ক্ষিতিতলে মহাভাগো দ্বিজোত্তমঃ ॥৫২॥
দুর্ব্বাসা ইতি বিখ্যাতঃ স হি ত্বাং যাজয়িষ্যতি। মন্নিয়োগান্মহাতেজাঃ সম্ভারাঃ সম্ভ্রিয়ন্তু তে ॥৫৩॥
এতচ্ছ্রুত্বা তু বচনং রুদ্রেণ সমুদাহৃতম্। স্বপুরং পুনরাগম্য সম্ভারান্ পুনরার্জ্জয়ৎ ॥৫৪॥
ততঃ সম্ভৃতসম্ভারো ভূয়ো রুদ্রমুপাগমৎ। সম্ভৃতা মম সম্ভারাঃ সর্ব্বোপকরণানি চ ॥৫৫॥
ত্বৎপ্রসাদান্মহাদেব! শ্বো মে দীক্ষা ভবেদিতি। এতচ্ছ্রুত্বা তু বচনং তস্য রাজ্ঞো মহাত্মনঃ ॥৫৬॥
দুর্ব্বাসসং সমাহূয় রুদ্রো বচনমব্রবীৎ। এষ রাজা মহাভাগঃ শ্বেতকির্নৃপসত্তমঃ ॥৫৭॥
এনং যাজয় বিপ্রেন্দ্র! মন্নিয়োগেন ভূমিপম্। বাঢ়মিত্যেব বচনং রুদ্রং তু ঋষিরুবাচ হ ॥৫৮॥
ততঃ সত্রং সমভবত্তস্য রাজ্ঞো মহাত্মনঃ। যথাবিধি যথাকালং যথোক্তং বহুদক্ষিণম্ ॥৫৯॥
তস্মিন্ পরিসমাপ্তে তু রাজ্ঞঃ সত্রে মহাত্মনঃ। দুর্ব্বাসসাভ্যনুজ্ঞাতাঃ প্রযযুঃ সর্ব্বযাজকাঃ ॥৬০॥
যে তত্র দীক্ষিতাঃ সত্রে স সদস্যাশ্চ মহৌজসঃ। সোঽপি রাজা মহাভাগঃ স্বপুরং প্রাবিশত্তদা ॥৬১॥
পূজ্যমানো মহাভাগৈর্ব্রাহ্মণৈর্ব্বেদপারগৈঃ। বন্দিভিঃ স্তূয়মানশ্চ নাগরৈশ্চাভিনন্দিত ॥৬২॥

পুরোহিত ওইতুনা অমবু যজ্ঞ তৌহনবা হায়বসিদি ব্রাহ্মণগী থবকনি, মখোয়শুনা তৌগনবনি ॥৫১॥ মরম অদুনা ইশাম্মকনা যজ্ঞ ফমদুনা যজ্ঞ মদুমক্তি তৌররোই, অহনা ভূমণ্ডল অসিগী মমুংদা ঐগী অংশমকনা পোকপা মরাইবক ফরবা দুর্ব্বাসা হায়না কাউববা অথোইবা ব্রাহ্মণ অমা লৈবনি, তেজ লৈরবা ব্রাহ্মণ অদুনা ঐগী য়াথংদগী মরাইনা মহারাজগী যজ্ঞ তৌজগনি। মরম অদুনা মহারাজনা তৌজিক চংথিদুনা যজ্ঞগী মপোৎ মচৈ পুম্নমক লাংবিকরো ॥৫২—৫৩॥ শ্বেতকি কোনা নিংথৌনা মহাদেবগী ৱাসি তাবদা কোন্নুংদা হনখিদুনা যজ্ঞগী পোৎচৈ পুম্নমকশুনা লাংখি ॥৫৪॥ যজ্ঞগী মচাক পুম্নমক লাংলবা তুংদা অমুক মহাদেবগী মফমদ' চংখিদুনা হায়রুই— যজ্ঞগী পোৎচৈ পুম্নমক লোয়না থোরাং তৌজরে ॥৫৫॥ মহাদেব! নহাক্কী থৌজান্দগী ঐ হয়েংদগী যজ্ঞ তৌনবা দীক্ষা লৌজরনি। পুকচেল চাউরবা নিংথৌ শ্বেতকিগী ৱাসি তাবদা দুর্ব্বাসা মুনিবু কৌদুনা মহাদেবনা হায়খি— ব্রাহ্মণ অথোইবা! লৈরিবা অসি পুকচেল চাউরবা শ্বেতকি হায়বা নিংথৌ অমনি, ঐগী য়াথং মতুং ইন্না নিংথৌ অসিগী পুরোহিত ওইদুনা যজ্ঞ তৌরু। মতম অদুদা দুর্ব্বাসানা "ফগানি ঐ শোয়দনা তৌজগনি" অদুম হায়না খুমখি ॥৫৬—৫৮॥ অদগী তুংদা বিধি কায়দনা, মতম মতম চানা ব্রাহ্মণশিং অদুগী পাউতাক মতুং ইন্না দক্ষিণা মতিক চান চানা কৎলবা মহাত্মা শ্বেতকি নিংথৌগী যজ্ঞ অদো মফমদা লোইশিনখি ॥৫৯॥

পুকচেল চাউরবা শ্বেতকি নিংথৌগী যজ্ঞ অসিনা লোইরবদা দুর্ব্বাসাগী য়াথং মংদুনা যজ্ঞ তৌরিবা যাজক ব্রাহ্মণশিং অহ মাগী মাগী মফমদা চৎনখি ॥৬০॥ যজ্ঞ অদুদা ব্রত তৌদুনা ফয়রম্বা সদস্য অদুগী মহন্তশিং অদুসু লোইনা চৎনখ্রে, অমসুং পুকচেল চাউরবা শ্বেতকি নিংথৌসু যজ্ঞ লোইরদুনা মাগী কোন্নুংদা হল্লকখি। মতম অদুদা বেদ তৈরবা ব্রাহ্মণশিংনা নিংথৌগী মতিক মহিমা শকখি, নিংথৌগী মাকায়রোল শকপা ভট্ট করিশিংনা নীনা শাগৎলবা থোংবনা নিংথৌগী মতিক মহিমা শকখি, অদুগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মী পুম্নমকনা নিংথৌবু থাগৎখি ॥ ৬১—৬২॥

এবংবৃত্তঃ স রাজর্ষিঃ শ্বেতকির্নৃপসত্তমঃ। কালেন মহতা চাপি যযৌ স্বর্গমভিষ্টুতঃ ॥৬৩॥

ঋত্বিগ্ভিঃ সহিতঃ সর্বৈঃ সদস্যৈশ্চ সমন্বিতঃ। তস্য সত্রে পপৌ বহ্নির্হবির্দ্বাদশ বৎসরান্ ॥ ৬৪ ॥

সততঞ্চাজ্যধারাভিরৈকাত্ম্যে তত্র কর্ম্মণি। হবিষা চ ততো বহ্নিঃ পরাং তৃপ্তিমগচ্ছত ॥৬৫॥

ন চৈচ্ছৎ পুনরাদাতুং হবিরন্যস্য কস্যচিৎ। পাণ্ডুবর্ণো বিবর্ণশ্চ ন যথাবৎ প্রকাশতে ॥৬৬॥

ততো ভগবতো বহ্নের্বিকারঃ সমজায়ত। তেজসা বিপ্রহীণশ্চ গ্লানিশ্চৈনং সমাবিশৎ ॥৬৭॥

স লক্ষয়িত্বা চাত্মানং তেজোহীনং হুতাশনঃ। জগাম সদনং পুণ্যং ব্রহ্মণো লোকপূজিতম্ ॥৬৮॥

তত্র ব্রহ্মাণমাসীনমিদং বচনমব্রবীৎ। ভগবন্! পরমা প্রীতিঃ কৃতা শ্বেতকিনা মম ॥৬৯॥

অরুচিশ্চাভবত্তীব্রা তাং ন শক্নোম্যপোহিতুম্। তেজসা বিপ্রহীণোঽস্মি বলেন চ জগৎপতে! ॥৭০॥

ইচ্ছেয়ং ত্বৎপ্রসাদেন চাত্মনঃ প্রকৃতিং স্থিরাম্। এতচ্ছ্রুত্বা তু বচনং ভগবান্ সর্ব্বলোককৃৎ ॥৭১॥

হব্যবাহমিদং বাক্যমুবাচ প্রহসন্নিব। ত্বয়া দ্বাদশ বর্ষাণি বসোর্ধারাহুতং হবিঃ ॥৭২॥

উপযুক্তং মহাভাগ! তেন ত্বাং গ্লানিরাবিশৎ। তেজসা বিপ্রহীণত্বাৎ সহসা হব্যবাহন! ॥৭৩॥

মা গমস্ত্বং ব্যথাং বহ্নে! প্রকৃতিস্থো ভবিষ্যসি। অরুচিং নাশয়িষ্যামি সময়ং প্রতিপদ্য তে ॥৭৪॥

অসিগুম্বা, যজ্ঞদা পুকনিং চংলবা পূনশিবু লেপ্দুনা শ্বেতকি হায়না কৌবা নিংথৌ অসি মী পুন্নমক্কী থাগৎকম ওইদুনা, মতম কুইনা পাল্লমলগা পুরোহিত অমদি সদস্য পুম্নমকা লোয়ননা স্বর্গ থামদা চৎখি। আসোমদা শ্বেতকি নিংথৌগী যজ্ঞদা চহি মতম কুইনা হয় হয়া ঘী রাম্মা থকখি ॥৬৩—৬৪॥ যজ্ঞ অদুদা অতৈ অথম লৈতনা ঘীগী ধারানা হৈথরকপা অদুদা অগ্নি দেবনা রামনা পেনখি ॥৬৫॥ অদুদগীদি অগ্নি দেবসি ঘী হায়বা অাং অতৈ হয়া য়েংনিংখিদ্রে, মশা ছুত ৬ থাওখিদ্রে ভাইবেৎ তায়খে ॥৬৬॥ অদুগী তুংদা অগ্নি দেবগী মৈ শোম্বখিদুনা চাবা তুমলবগী লাইনা অমা পোকখে, মাহাদা মশেক মঙাল পুম্নমক মাংখখিল্লনা কুচু কুমেন পুম্নমক থোকখিদ্রে অমসুং পুকচুংগী লাইনা অদুগী অম্বাবা চৈনাথোক্ত থাংবা ভমমকদ্রে অনাবা মথল মথল থুংলয়ে ॥৬৭॥ মতম অদুদা মহাকনা মশামক তেজ বীর্য্য করিমত্তা য়াওদবনু উবদা, জগৎ পুম্নমকনা পুজা তৌনরবা শেংলবা ব্রহ্মলোকতা চৎখে ॥৬৮॥ মফম অদু তাম্না চৎখিবদা ফমদুনা লৈরিবা ব্রহ্মা অমুবু উবদা মা অসি হায়খি— ভগবান! শ্বেতকি নিংথৌনা ঐবু ওয়্যোকনা রামনা পেনহলখে ॥৬৯॥ অদুনা ঐগী চাবা তুমদবা, চাক চানিংদবা হায়বা লাইনা অতু পোক্রে, লাইনা অসি ঐ কোকহনবা ঙমদ্রে; অদুনা ঐগী তেজ অমদি পাঙল পুম্নমক অসি লোংঙ্, লোংমগী মাংথরক্রে ॥৭০॥ মরম অদুনা নহাক্কী কৃপাদগী হায়গী মতৌগুমনা অমুক কনগে। অগ্নি দেবগী বা অসি তাবা মতমদা ব্রহ্মানা নোকনা নোকনা হায়রকই— অগ্নি! চহি তরানিথোই চুপা অতৈ অথম লৈতনা হৈথরকপা ঘীগী ধারাগী অদুবু নংনা থকউরে; মালিদা থকমল্লদুনা নশা অতু চোকথরে। করে অদু মঙায়রে, নশাদা তেজ য়াওদ্রে হায়রনা থক হাবা ভৌরুপম্, থুন য়াংনা মতম থংনগী মখুৎনা নংগী নশা অসি মরাইনা ফনরগনি,

পুরা দেবনিয়োগেন যত্ত্বয়া ভস্মসাৎ কৃতম্। আলয়ং দেবশত্রূণাং সুঘোরং খাণ্ডবং বনম্॥৭৫॥
তত্র সর্ব্বাণি সত্ত্বানি নিবসন্তি বিভাবসো। তেষাং ত্বং মেদসা তৃপ্তঃ প্রকৃতিস্থো ভবিষ্যসি॥৭৬॥
গচ্ছ শীঘ্রং প্রদগ্ধুং ত্বং ততো মোক্ষ্যসি কিল্বিষাৎ। এতচ্ছ্রুত্বা তু বচনং পরমেষ্ঠিমুখাচ্চ্যুতম্॥৭৭॥
উত্তমং বেগমাস্থায় প্রদুদ্রাব হুতাশনঃ। আগম্য খাণ্ডবং দাবমুত্তমং বীর্য্যমাস্থিতঃ।

সহসা প্রাজ্বলচ্চাগ্নিঃ ক্রুদ্ধো বায়ুসমীরিতঃ॥৭৮॥

প্রদীপ্তং খাণ্ডবং দৃষ্ট্বা যে স্ম তত্র নিবাসিনঃ। পরমং যত্নমাতিষ্ঠন্ পাবকস্য প্রশান্তয়ে॥৭৯॥
করৈস্তু করিণঃ শীঘ্রং জলমাদায় সত্বরাঃ। সিষিচুঃ পাবকং ক্রুদ্ধাঃ শতশোঽথ সহস্রশঃ॥৮০॥
বহুশীর্ষাস্তথা নাগাঃ শিরোভির্জলসন্ততিম্। মুমুচুঃ পাবকাভ্যাসে সত্বরা ক্রোধমূর্চ্ছিতাঃ॥৮১॥
তথৈবান্যানি সত্ত্বানি নানাপ্রহরণোদ্যমৈঃ। বিলয়ং পাবকং শীঘ্রমনয়ন্ ভরতর্ষভ!॥৮২॥
অনেন তু প্রকারেণ ভূয়ো ভূয়শ্চ প্রজ্বলন্। সপ্তকৃত্বঃ প্রশমিতঃ খাণ্ডবে হব্যবাহনঃ॥৮৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি খাণ্ডবদাহে
অগ্নিপরাভবে ষোড়শাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ॥০॥

—:○:—

মতম চানা নহাক্কী চাক চানিংদবা, ভুমদবা লাইনা অসি কোকহনগনি॥৭১—৭৪॥ অগ্নি! নংনা মমাংঙৈদা দেবতাশিংগী য়াথংদগী লাইগী য়েকনবশিংনা থম্না লৈরিবা অকিবগী মশক ফংলবা খাণ্ডব বন অতু চাকখি, বন অতুদা হৌজিকসু জীব মখল মখল লৈরি, নহাকনা জীবশিং অতুগী মহাউ মত্তোং থক চাহনা মাতুদা অপেনবা ফংলবা অতুতদা হান্নগী মতৌগুমনা নশা কগনি॥৭৫—৭৬॥ মরুম অতুনা থুনা য়াংনা বন অতু চাকলুরো, বন অতু লোইনা চাকপা ওমলবাতদা নংগী হকচাংগী লায়না শুমনথক অসি লোইনা কাকনি। অগ্নি দেবনা ব্রহ্মাগী ৱা অসি তাবদা থুনা য়াংনা খাণ্ডব বন তান্না চেলখি, খাণ্ডব বন হেক য়োবদা মৈরি ফংনা চাকউরে; সুংশিংসু মতম অতুদা কন্না শিংকং-লকই॥৭৭—৭৮॥ খাণ্ডব বন অতুদা জীব মখল মখল লৈরম্মি, বন অহ মৈ চাকখৎলক্রে হায়বসু উবদা মৈ অতু মুৎননবা মথোয় অতুসু য়ামনা কন্না হোৎনরম্মি॥৭৯॥ শাউরবা ইপা পাখৎলবা শামু চাম্না চাম্না, লিশিং লিশিংনা, মপৈ মপৈ ওইনা মনাতোম্না ঈশিং পুরক্লুনা মৈথক অহুদা কামশিনলরে॥৮০॥ মকোক লোংবা শামু কয়াদা অশাওবগা মীপায়বগা লোয়ননা ময়াদা ঈশিং উম উমহুনা পুরক্লুনা মৈথক্তা কামশিন্নরে॥৮১॥ অতোপ অতোপ্পা জীব কয়াসু মানা মানা ওথা উপায়না মৈ অতু মুৎথৎপা য়াওরে॥৮২॥ মতৌ অসুমনা মৈনা হন্ন হন্না খাণ্ডব বন অহবু চাকখৎলকই অমসুং মতম অহুদা লৈরিবা জীবশিং অহুনা তরেংলক হন্না মুৎথংখি॥৮৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপৰ্ব্বদা খাণ্ডবদাহসী মতাংদা অগ্নি পরাভবকোবা চনী তরাতরুক শুবা অধ্যায় লোইরে॥০॥

—(*)—

শ্রীমহাভারতম্

(অর্জ্জুনগা মৈগা হ্মরি শাবা)

(চনী তরাতরেং শুবা অধ্যায়)

——:(•):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

স তু নৈরাশ্যমাপন্নঃ সদা গ্লানিসমন্বিতঃ। পিতামহমুপাগচ্ছৎ সংক্রুদ্ধো হব্যবাহনঃ ॥১॥

তচ্চ সর্ব্বং যথাবৃত্তং ব্রহ্মণে স ন্যবেদয়ৎ। উবাচ চৈনং ভগবান্ মুহূর্ত্তং স বিচিন্ত্য তু ॥২॥

উপায়ঃ পরিদৃষ্টো মে যথা ত্বং ধক্ষ্যসেঽনঘ! কালঞ্চ কঞ্চিৎ ক্ষমতাং ততস্ত্বং ধক্ষ্যসেঽনল ॥৩॥

ভবিষ্যতঃ সহায়ৌ তে নরনারায়ণৌ তদা। তাভ্যাং ত্বং সহিতো দাবং ধক্ষ্যসে হব্যবাহন! ॥৪॥

এবমস্ত্বিতি তং বহ্নির্ব্রহ্মাণং প্রত্যভাষত। সম্ভূতৌ তৌ বিদিত্বা তু নরনারায়ণাবৃষী ॥৫॥

কালস্য মহতো রাজন্! তস্য বাক্যং স্বয়ম্ভুবঃ। অনুস্মৃত্য জগামথ পুনরেব পিতামহম্ ॥৬॥

অব্রবীচ্চ তদা ব্রহ্মা যথা ত্বং ধক্ষ্যসেঽনল!। খাণ্ডবং দাবমদ্যৈব মিষতোঽস্য শচীপতেঃ ॥৭॥

নরনারায়ণৌ যৌ তৌ পূর্ব্বদেবৌ বিভাবসো!। সম্প্রাপ্তৌ মানুষং লোকং কার্য্যার্থং হি দিবৌকসাম্ ॥৮॥

বৈশম্প্যায়ননা হায়— অগ্নিদেবনা খাণ্ডব বন চাকপন্থ নীংবা থুংদ্রে, নীংবা কায়রে, কারনগী অবাবা মৈচাক অমু থাংহনা অহমক লৈরে, অদুনা শাওরদুনা অমুক হন্না ব্রহ্মাগী মনাক্তা চৎখ্রে ॥১॥ ব্রহ্মাগী মরক্তা চৎখিদুনা থোকখিবা থৌরাং পুম্নমক অমু ব্রহ্মাদা তম্বুরে। মতম অদুদা ব্রহ্মানা চায়রহাক্তং ৱাখল তৌরগা অগ্নিদেবদা হায়রকই— অগ্নি! খাণ্ডব বনমু তুনা চাকপা ঙম্বগী উপায় অমা ঐ উবা ফংলে। নং মতম খরদং ভাইথো, খাণ্ডব বন শোইদনা চাকপা ঙমগনি ॥২—৩॥ নর নারায়ণ অনীনা নহাকী নত্তেং পাংলগনি, নহাক্না মথোয় অনীগা তিন্নদুনা খাণ্ডব বন চাকপা ঙমগনি ॥ ৪ ॥

নর নারায়ণ ঋষি অনীনা অর্জ্জুন অমসুং কৃষ্ণ ওইহনা পোক্নরে হায়রগনি ধ্যানতনা খংলদুনা অগ্নিদেবনা ব্রহ্মাদা হায়রকই ফরে, অদু ওইরসনু ॥ ৫ ॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা মতম য়াম্না চৌগ্না তুংদা অগ্নিদেবনা ব্রহ্মানা হায়খিবা ৱা অদু নীংশিংলদুনা মহাককী মনাক্তা অমুক চৎখি ॥৬॥ মতম অদুদা ব্রহ্মানা অগ্নিদা হায়রকই— অগ্নি! নং ঙসিমক ইন্দ্রগী মমাংঅক্তদা খাণ্ডব বনমু চাকপা ঙমগনি ॥৭॥ অগ্নি! নর-নারায়ণ হায়রব ঋষি অনী অসি দেবতা শিংগী মনুংদা মকোক ওইনা লৈরম্লম্মি হৌজিক্তি মথোয় অনীনা স্বর্গ লাইরাংমগী থবক্তা মত্তেং পাংগে হায়রগী মমক মর্ত্ত্যলোক অসিদ অবতার

অর্জ্জুনং বাসুদেবঞ্চ যৌ তৌ লোকোঽভিমন্যতে। তাবেতৌ হি স্থিতৌ তত্র খাণ্ডবস্য সমীপতঃ ॥৯॥

তৌ ত্বং যাচস্ব সাহায্যে দাহার্থং খাণ্ডবস্য চ। ততো ধক্ষ্যসি তং দাবং রক্ষিতং ত্রিদশৈরপি ॥১০॥

তৌ ত্বং সত্ত্বানি সর্ব্বাণি যত্নতো বারয়িষ্যতঃ। দেবরাজঞ্চ সহিতৌ তত্র মে নাস্তি সংশয়ঃ ॥১১॥

এতচ্ছ্রুত্বা তু বচনং ত্বরিতো হব্যবাহনঃ। কৃষ্ণপার্থাবুপাগম্য যমর্থং ত্বভ্যভাষত ॥১২॥

তং তে কথিতবানস্মি পূর্ব্বমেব নৃপোত্তম!। তচ্ছ্রুত্বা বচনং ত্বগ্নের্বীভৎসুর্জাতবেদসম্ ॥১৩॥

অব্রবীন্নৃপশার্দ্দূল! তৎকালসদৃশং বচঃ। দিধক্ষুং খাণ্ডবং দাবমকামস্য শতক্রতোঃ ॥১৪॥

অর্জ্জুন উবাচ।

উত্তমাস্ত্রাণি মে সন্তি দিব্যানি চ বহূনি চ। যৈরহং শক্নুয়াং যোদ্ধুমপি বজ্রধরান্ বহূন ॥১৫॥

ধনুর্মে নাস্তি ভগবন্! বাহুবীর্য্যেণ সম্মিতম্। কুর্ব্বতঃ সমরে যত্নং বেগং যদ্বিষহেন্মম ॥১৬॥

শরৈশ্চ মেঽর্থো বহুভিরক্ষয়ৈঃ ক্ষিপ্রমস্যতঃ। নহি বোঢ়ুং রথঃ শক্তঃ শরান্ মম যথেপ্সিতান্ ॥১৭॥

অশ্বাংশ্চ দিব্যানিচ্ছেয়ং পাণ্ডুরান্ বাতরংহসঃ। রথঞ্চ মেঘনির্ঘোষং সূর্য্যপ্রতিমতেজসম্ ॥১৮॥

তৌররে ॥৮॥ মীনা হৌজিক মখোয় অনী অদুবু কৃষ্ণ অর্জ্জুন কোই হায়না খংনরিবা মখোয় অনী অসিমক নর নারায়ণ হায়বা ঋষি অনী অদুনি, মখোয় অনী হৌজিকমক খাণ্ডব বনগী মনাক্তা কনদুন লৈরিবনি ॥৯॥ হৌজিক নহাক্না মখোয় অনীগী মফমদা চত্লুনা খাণ্ডব বন চাকপদা মতেং পাংবিয়ু হায়কৃ, মখোয় অনীনবু মতেং পাংলবদি দেবতা কয়ানা ঙাক্লবসু খাণ্ডব বন চাকপা ঙমগনি ॥১০ ॥

অদুগুম্বা কৃষ্ণ অর্জুন অনীমক্না তিন্নদুনা য়াম্না চেকশিন্না বন অদুদা লৈরিবা জীব কয়াবু অমসুং ইন্দ্র মকপুসু থিংগনি, মাসিদা ঐ করিমতা চিংনদে ॥১১॥ ব্রহ্মাগী ৱাসি তাবদা অগ্নিদেবনা থুনা য়াংনা কৃষ্ণ অমসুং অর্জ্জুনগী মফমদা চংখিদুনা হায়কবা ৱা অদুদি ঐনা মহারাজগী মফমদা লীখ্রে। অসোমদা, খাণ্ডব বন মৈ হৌদুনা চাকনি হায়বসি ইন্দ্রদি ইখন থন্দবনি অমদি ইপাম পামদবনি মরমা অদুনা মহাকপু থোক্‌ইদোকনা উশিং থৌওইকদনা অগ্নিনা খাণ্ডব বন অসি চাকথেক নীংখিবনি, অবস্থা অসিদা অর্জ্জুননা অগ্নিগী ৱা অদু তাবদা দেশ–কাল কায়দনা হায়রকই ॥১২—১৪॥ অর্জুননা হায়—অগ্নি দেব! ঐগী মীনা ফংব্রবা হৈনব্রবা থুংলাই য়াম্না লৈ, থুংলাইশিং অদুনা ঐ ইন্দ্রমকপা শোক্লবা ঙমগনি ॥১৫॥

অদুদা য়াম্নমনা কন্না লোক্নরকপা মতমদা ঐগী থুংখাংবা অমসুং ঐগী পাম্বোমগী পাঙ্গলবু খাংবা কন্নবা লীরুং অমতা ঐগী লৈত্রে ॥১৬॥ থুংকাপ থুনা তেন খরসু ঐভোন্দা লৈকম থোকই অন্নাংপ তেন খরসু ঐ পাম্মি। অদুগা থুংলাই তেন পুমনমক পুবদা খাংবা ঙম্বা রথ অমতসু ঐগী লৈত্রে ॥১৭॥ অসিগী মতুং অপোবা, ইংশিংকী মদাং থানা চেনবা অকৈগা মায়রব্রবা শক্তি পুরবা শগোলসু ঐনা পাম্মি, মুমিংকী মতৌগুমনা সংলবা অমসুং মেঘগী মতৌগুমনা মখোল লুমলবা রথ অমসু ঐনা পাম্মি

তথা কৃষ্ণস্য বীর্য্যেণ নায়ুধং বিদ্যতে সমম্। যেন নাগান্ পিশাচাংশ্চ নিহন্যাৎ মাধবো রণে ॥১৯॥

উপায়ং কর্ম্মসিদ্ধৌ চ ভগবন্! বক্তুমর্হসি। নিবারয়েয়ং যেনেন্দ্রং বর্ষমাণং মহাবনে ॥২০॥

পৌরুষেণ তু যৎ কার্য্যং তৎ কর্ত্তারৌ স্ব পাবক! করণানি সমর্থানি ভগবন্! দাতুমর্হসি ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি খাণ্ডবদাহে

অর্জ্জুনাগ্নিসংবাদে সপ্তদশাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০):—

॥১৮॥ অহুগা কৃষ্ণগীসু পাঙ্গনগী মতিক চাবা খুৎলাই অমতা লৈতে, খুৎলাই অদুনা মহাকনা লান্দা অচৌ অচৌবা লিল অমসুং হিংচা য়াইতম্বশিং হাৎকলৌবনি ॥১৯॥ অদূনা অগ্নিদেব! থবক অসি পাংথোক্নবা উপায়শিং অসি তৌবিবা ওমগদরা? উপায়শিং অসি তৌরবদি খাণ্ডব বনগী মথক্তা ইন্দ্র না নোং হৈথরকপা মতম্দা ঐনা ইন্দ্রবু থিংবা ওমগনি ॥২০॥ নিপা থোক্না থবক তৌবা অহুদি ঐখোয়না ইরাইনা তৌজগনি। অদুবু থবক অতুগী মচাক অদু দি নহাক্না পীবা ওমগদরা? ॥২১॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেৎবা সংহিতা আদি-পর্ব্বদা খাণ্ডবদাহগী মতাংদা অর্জুনগা অগ্নিগা য়ারি শান্নবা কৌবা চনী তরাতরেৎ শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(অর্জ্জুনদা মৈন গাণ্ডীবনচিংবাদান তৌবা)

(চনি তরাম্নিপাল শুবা অধ্যায়)

——:(•):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তঃ স ভগবান্ ধূমকেতুর্হুতাশনঃ। চিন্তয়ামাস বরুণং লোকপালং দিদৃক্ষয়া ॥১॥

আদিত্যমুদকে দেবং নিবসন্তং জলেশ্বরম্। স চ তচ্চিন্তিতং জ্ঞাত্বা দর্শয়ামাস পাবকম্ ॥২॥

তমব্রবীদ্ধূমকেতুঃ প্রতিগৃহ্য জলেশ্বরম্। চতুর্থং লোকপালানাং দেবদেবং সনাতনম ॥৩॥

সোমেন রাজ্ঞা যদ্দত্তং ধনুশ্চৈবেষুধী চ তে। তৎ প্রযচ্ছোভয়ং শীঘ্রং রথঞ্চ কপিলক্ষণম্ ॥৪॥

কার্যঞ্চ সুমহৎ পার্থো গাণ্ডীবেন করিষ্যতি। চক্রেণ বাসুদেবশ্চ তন্মমাদ্য প্রদীয়তাম্ ॥৫॥

দদানীত্যেব বরুণঃ পাবকং প্রত্যভাষত। তদদ্ভুতং মহাবীর্য্যং যশঃকীর্ত্তিবিবর্দ্ধনম্ ॥৬॥

সর্ব্বশস্ত্রৈরনাধৃষ্যং সর্ব্বশস্ত্রপ্রমাথি চ। সর্ব্বায়ুধমহামাত্রং পরসৈন্যপ্রধর্ষণম্ ॥৭॥

একং শতসহস্রেণ সম্মিতং রাষ্ট্রবর্দ্ধনম্। চিত্রমুচ্চাবচৈর্ব্বর্ণৈঃ শোভিতং শ্লক্ষ্ণমব্রণম্ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অর্জ্জুননা অসুম হায়রবদা মতিক মগুণ চাউরবা মৈথুনা ফিরান ওইবা অগ্নি দেবনা, অদিতিগী মচা, ঈশিংদা ময়ুম ওইবা অমসুং ঈশিংগী নিংথৌ মায়কৈ ঙাকপা লাই বরুণ দেববু উনিংবনা ধ্যান তৌখি। মতম অদুদা মহাকপু উননিংবয় থংলক্লুনা বরুণ দেব অসি অগ্নি দেবগী মনাক মক্তদা থুংলরে ॥১—২॥ মতম অদুদা অগ্নি দেবনা, মরিশুবা মায়কৈ ঙাকপা লাই, দেবতাশিংগী মসুংদা ঙাম্ব্বোইরিবা, অমাং অতা লৈত্রবা লেপলবা মূর্ত্তিনা মহাক্কী ওইরবা বরুণ দেববু ইকায় খুম্না স্বাগত তৌই অমসুং হায়রকই ॥৩॥ চন্দ্র দেবনা নংডোন্দা পীরম্বা লীকং অদুগা তেন্দোং অনী অদুগা অমসুং বানরধ্বজ য়াওবা রথ অদুগা পুম্নমক অসি ঐঙোন্দা হৌজিমক পীখিয় ॥৪॥ অর্জ্জুননা গাণ্ডীব কৌবা লীরুং অদুনা অমসুং কৃষ্ণনা সুদর্শন কৌবা চক্র অদুনা ওয়্যোক্লা লুবা তৌঙমত্রবা থবক অমা পাংথোকলোমি, মরম অদুনা হায়রিবা পুম্নমক অসি ঐঙোন্দা পীবিয় ॥৫॥ মতম অদুদা বরুণনা অগ্নি দেবদা "শোয়দনা পীগনি" অসুম হায়রদুনা বরুণ দেবনা লীরুং অথোইবা গাণ্ডীবগা, অরাং অপা হৈতবা তেন্দোং অনিগা পীরে। গাণ্ডীব হায়রিবা লীরুং অসি য়ামনা লুপ্পি অমসুং অস্ত্রকপগী মপাল্লি, মিংচল পীব খুৎলাইনি; করিগুম্বা খুৎলাই অমনা ঙম্বা ককপা য়ামদনি, খুৎলাই পুম্নবু ঙম্বা লীরুংনি। লীরুং খুৎলাই আতৈগী য়ামনা হেন্না চাওই, লৈপাক চাওখৎনবা [illegible] [illegible] [illegible] খুৎলাইনি। গাণ্ডীব কৌবা লীরুং অদুনা লীরুং লখা অমম্বা য়ামনা

দেবদানবগন্ধর্ব্বৈঃ পূজিতং শাশ্বতীঃ সমাঃ। পুরাদাদৈত্যেন ধনূরত্নমক্ষয্যে চ মহেষুধী ॥৯॥
রথঞ্চ দিব্যাশ্বযুজং কপিপ্রবরকেতনম্। [illegible] যমালিভিঃ ॥১০॥
পাণ্ডরাভ্রপ্রতীকাশৈর্ম্মনোবায়ুসমৈর্জবে। সর্ব্বোপকরণৈর্যুক্তমজয্যং দেবদানবৈঃ ॥১১॥
ভানুমন্তং মহাঘোষং সর্বভূতমনোরমম্। সসর্জ্জ যং সুতপসা ভৌমনো ভুবনপ্রভুঃ ॥১২॥
প্রজাপতিরনির্দ্দেশ্যং যস্য রূপং রবেরিব। যং স্ম সোমঃ সমারুহ্য দানবানজয়ৎ প্রভুঃ ॥১৩॥
নবমেঘপ্রতীকাশং জ্বলন্তমিব চ শ্রিয়া। আশ্রিতৌ তং রথশ্রেষ্ঠং শক্রায়ুধসমাবুভৌ ॥১৪॥
তাপনীয়া সুরুচিরা ধ্বজযষ্টিরনুত্তমা। তস্যাস্তু বাসবো দিব্যঃ সিংহশার্দ্দূলকেতনঃ ॥১৫॥
দিধক্ষন্নিব তত্র স্ম সংস্থিতো মূর্দ্ধ্যশোভত। ধ্বজে ভূতানি তত্রাসন্ বিবিধানি মহান্তি চ ॥১৬॥
নাদেন রিপুসৈন্যানাং যেষাং সংজ্ঞা প্রণশ্যতি। স তং নানাপতাকাভিঃ শোভিতং রথসত্তমম্ ॥১৭॥
প্রদক্ষিণমুপাবৃত্য দৈবতেভ্যঃ প্রণম্য চ। সন্নদ্ধঃ কবচী খড়্গী বদ্ধগোধাঙ্গুলিত্রকঃ ॥১৮॥

কল্লি মচু মখল মখলনা লৈতেংবা থুংলাইনি। স্হৎ নাল্লিঁ, তাংখক নাইদে দেব দানব গন্ধর্ব কয়ানা মথং মথুং পূজা তৌনরক্লিবা লীকংনি ॥৬—৯॥

বরুণ দেবনা রথ অমসু পীরে রথ অদু সগোল মরিনা চিংভি, কীরানদা চাওরবা য়োং অমগী মূর্ত্তি লৈ। সগোল মরি অদু লুপাগী মতৌগুমনা ভোরোক ভৌই। গন্ধর্ব দেশদা পোকপা সগোলনি, শনাগী লৈতেংতনা ফজহল্লিবা সগোলনি, ঈশিং য়াওদবা নোংগী মচুগুম ভৌই। য়াংবদা পুক্লিং অমসুং মুংশিংকা পাংথক্লি। রথ অদুদা লালগী থুংগু থুংলাই পুম্নমক য়াওরি। হায়রিবা রথ অসি দাই হিংচাবা অনীমক্তা থুদেকপা ঙমদবা রথনি ॥১০—১১॥ পুকচেল চাংরবা হৈরবা, বিশ্বকর্ম্মানা যামনা ৱানা লংলবা, লুম্নবা মখোল থোক্রবা, মী পুম্নমকী পুক্লিং হূমনবগী মশক ওইরবা রথ অসি শাখিবনি। রথ অসি মুমিৎকী মতৌগুমনা, হায়কম খংদনা ফজে, প্রজাপতি চন্দ্রনা মতম অমদা রথ অসিদা তোংদুনা দানবশিংবু জয় তৌখিবনি, চুমথাং থানবগী মতৌগুম মচু কয়ানা লৈতেংলবা, অনৌবা নোংগী মতৌগুম ফজরবা লংলবা রথ অদুদা কৃষ্ণগা অর্জুনগা অনী অসি তোংথংখ্রে ॥১২—১৪॥

রথ অসি মনাক্তনা শাবনি, মসিদা চাওরবা কীরাল অমা য়ুরক্লি, কীরাল অসিগী মথক্তা কৈ, নোংশাগী মতৌগুমা অক্নিবগী মথক ফংলবা মওং পুরবা চাওরবা য়োংগী মূর্ত্তি অমা লৈ। য়োং অসি য়েকঙগী লাম্মীশিংবু য়োংমগে, চাকথেক্লগে [illegible] কহুপা কীরাল অসিগী [illegible] অতৈ অতৈ মকমদা চাওর চাওরবা জীব [illegible] মকলগী মূর্ত্তি য়েকই ॥১৫—১৬॥ [illegible]
ভংলকপা খোংলকপদা মতমদা য়েক্কশিংগী থয়োইবা শিনাইব [illegible]
মায়কৈ অকোয়বদা থেংলবা রথ অদু [illegible] মহারাজ [illegible]
তৌরগা অমসুং, খুয়ুগা, লালগী ফুরিৎ [illegible]
শিগাল মর্থক্তা তোংখঙনা নোংমদোলা [illegible]
না শ্বারা মীরমলেদা, ওইরবা [illegible]
অগ্নিদেবতু মা দা খমলায়া [illegible]

[illegible] তদা পার্থো বিস্মিতঃ প্রহৃষ্টো যথা। তচ্চ দিব্যং ধনুঃশ্রেষ্ঠং [illegible] ॥১৯॥
গাণ্ডীবমুপসংগৃহ্য বভূব মুদিতোঽর্জ্জুনঃ। হুতাশনং পূজয়িত্বা ততস্তদপি বীর্য্যবান্ ॥২০॥
জগ্রাহ বলমাস্থায় জ্যাঞ্চ যুযুজে ধনুঃ। মৌর্ব্ব্যান্তু যোজ্যমানায়াং বলিনা পাণ্ডবেন হ ॥২১॥
যেঽশৃণ্বন্ কূজিতং তত্র তেষাং বৈ ব্যথিতং মনঃ। লব্ধ্বা রত্নং ধনুশ্চৈব তদক্ষয্যে মহেষুধী ॥২২॥
বভূব কল্যঃ কৌন্তেয়ঃ প্রহৃষ্টঃ সাহ্যকর্ম্মণি। বজ্রনাভং ততশ্চক্রং দদৌ কৃষ্ণায় পাবকঃ ॥২৩॥
আগ্নেয়মস্ত্রং দয়িতং স চ কল্যোঽভবত্তদা অব্রবীৎ পাবকশ্চৈবমেতেন মধুসূদন ॥২৪॥
অমানুষানপি রণে জেষ্যসি ত্বমসংশয়ম্। অনেন তু মনুষ্যাণাং দেবানামপি চাহবে ॥২৫॥
রক্ষঃপিশাচদৈত্যানাং নাগানাঞ্চাধিকস্তথা। ভবিষ্যসি ন সন্দেহঃ প্রবরোঽপি নিবর্হণে ॥২৬॥
ক্ষিপ্তং ক্ষিপ্তং রণে চৈতত্ত্বয়া মাধব! শত্রুষু। হত্বাঽপ্রতিহতং সংখ্যে পাণিমেষ্যতি তে পুনঃ ॥২৭॥
বরুণশ্চ দদৌ তস্মৈ গদামশনিনিস্বনাম্। দৈত্যান্তকরণীং ঘোরাং নাম্না কৌমোদকীং প্রভুঃ ॥২৮॥
ততঃ পাবকমব্রূতাং প্রহৃষ্টাবর্জ্জুনাচ্যুতৌ। কৃতাস্ত্রৌ শস্ত্রসম্পন্নৌ রথিনৌ ধ্বজিনাবপি ॥২৯॥
কল্যৌ স্বো ভগবন্! যোদ্ধুমপি সর্ব্বৈঃ সুরাসুরৈঃ। কিং পুনর্ব্বজ্রিণৈকেন পন্নগার্থে যুযুৎসতা ॥৩০॥

অর্জ্জুন উবাচ।

চক্রপাণির্হৃষীকেশো বিচরন্ যুধি বীর্য্যবান্। চক্রেণ ভস্মসাৎ সর্ব্বং বিসৃষ্টেন তু বীর্য্যবান্।
ত্রিষু লোকেষু তন্নাস্তি যন্ন কুর্য্যাজ্জনার্দ্দনঃ ॥৩১॥

খোঙ্গেল তাবদ', জীব পুম্বগী থমোইঙ থক থক নীকখি। অর্জ্জুননা অতুম গুইরবা রথ, লীকং, অরাংপ লৈরবা তেন্দোং অনী অতু ফংলবদা থোইদোক্না নুংঙাইখি। লালগী দমক শেম শাখি। মতম অতুদ অগ্নিদেবনা শ্রীকৃষ্ণদা চক্র অমা দান তৌখি। চক্র অতুগী ময়ায়চবুক অতু বজ্রমক্না চপ মান্ননা কর্লি ॥ ১৭—২৩ ॥

কৃষ্ণসু অগ্নি অস্ত্রগা মান্নরবা থুংলাই অতু ফংলদুনা মতম অদুমক্তদা লালগী দমক শেম শাখি। মতম অসিদা অগ্নিদেবনা কৃষ্ণদা হায়খি— কৃষ্ণ! থুংলাই অসিগী পাম্বৈনা দেবতা পুম্নমকপু [illegible] তোৱা [illegible]গনি। মসিদা করিমত্তা চিংনবিগনু, অতুগা চক্র অসিগী মতিক-মঙ্গলনা মী-লাই-[illegible] যাইত্রবা দৈত্য অতো অচৌবা লীল পুম্নমক্না মায়োক য়াত্নুনা লাম্বেংনরবসু [illegible]-লায়না [illegible] তৌরা [illegible]গনি, মাসিদা করিমত্তা চিংনবিগনু ॥ ২৪—২৬ ॥ কৃষ্ণ! নহাক্না লানগী মতমদা য়েকনবশিংগী [illegible] চক্র অসি হুন হুনা লংলরসু, য়েকনবতুবু হাংলুরগা করিমত্তা ইশোক শোক্তনা [illegible] নখুত্না পুংলকনি ॥২৭॥ মতম অতুদা বরুণনা কৃষ্ণদা "কৌমোদকী" হায়না কৌবা অকিবগী মশক ফংলবা গদা অমুসু পিখি, গদা অতুনা মক্ত্রগা মাননা [illegible]না দৈত্যশিংবু হাৎখিবনি ॥২৮ ॥ অতুগী তুংদা অস্ত্রবিদ্যাদা থোইদোক্না হৈরবা অমসুং মতম অতুদা মতিক চারবা থুংলাই পুম্নমকনা থম্না য়াওরবা ফিরাননচিংবা থম্না য়াওরবা রথ থম্না তোংলবা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীনা মথন্নাই নুংঙাইনা অগ্নিদেবদা হায়খি ॥ ২৯ ॥ ভগবন্! ঐখোয় অনীনা দৌজিক্ক-লাইশিং অমদি ঙিংচারশিংগসু শোক্নবা ঙমলগনি। মরম অতুনা তক্কক কৌবা লীল অমবু ঙনগে হায়বনীদমক লান শোক্নগদৌরিবা ইন্দ্র মথন্তগা শোক্নবদি করি হায়কনি ॥ ৩০ ॥

অর্জ্জুননা হায়খি— হকচাং অমসুং পুক্নিংগী শক্তি লৈরবা কৃষ্ণনা চক্র অতু পায়থংলক্তুনা

গাণ্ডীবং ধনুরাদায় তথাক্ষয্যে মহেষুধী। অহমপ্যুৎসহে লোকান্ বিজেতুং যুধি পাবক! ॥৩২॥
সর্ব্বতঃ পরিবার্য্যৈব দাবমেতং মহাপ্রভো!। কামং সম্প্রজ্বলাদ্যৈব কল্পো স্মঃ সাহ্যকর্ম্মণি ॥৩৩॥
যদি খাণ্ডবমেষ্যতি প্রমাদাৎ সগণো বা পরিরক্ষিতুং মহেন্দ্রঃ।
শরতাড়িতগাত্রকুণ্ডলানাং কদনং দ্রক্ষ্যতি দেববাহিনীনাম্ ॥৩৪॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তঃ স ভগবান্ দাশার্হেণার্জ্জুনেন চ। তৈজসং রূপমাস্থায় দাবং দগ্ধুং প্রচক্রমে ॥৩৫॥
সর্ব্বতঃ পরিবার্য্যাথ সপ্তার্চ্চির্জ্জ্বলনস্তদা। দদাহ খাণ্ডবং দাবং যুগান্তমিব দর্শয়ন্ ॥৩৬॥
প্রতিগৃহ্য সমাবিশ্য তদ্বনং ভরতর্ষভ!। মেঘস্তনিতনির্ঘোষঃ সর্ব্বভূতান্যকম্পয়ৎ ॥৩৭॥
দহ্যতস্তস্য চ বভৌ রূপং দাবস্য ভারত!। মেরোরিব নগেন্দ্রস্য কীর্ণস্যাংশুমতোহংশুভিঃ ॥৩৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি খাণ্ডবদাহে
গাণ্ডীবাদিদানে অষ্টাদশাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:*:——

লানগী দমক চৎথোরকপদা মরোন অহুমগী মসুংধা নৈবা করিগুম্বা পোৎ অমতা মাংঙোয় তুপ্নোয়-দবা থক নৈত্রে ॥৩১॥ অদুগা ঐসু গাণ্ডীব কৌবা লীকং অসি পায়হনা অমসুং অমাং অতা নৈত্রবা তেন্দোং অসি য়ান্দুনা লান তৌরবদি মরোল অহুম্মকপুসু জয় তৌবা উয়গনি হায়না খল্লে ॥৩২॥ মরম অদুনা অগ্নি দেব! হৌজিক্তি খাণ্ডব বন অসিবু মায়কৈ মরিমক্তগী কোইশিল্লক্তুনা চাকথেকপা হৌরিব্লে; ঐখোয় অগ্নি দেবগী নত্তেং পাংগে হায়দুনা থৌরাং তৌরবা অসিনি ॥৩৩॥ করিগুম্বা দেবরাজ ইন্দ্রনা মাথল তৌদবদগী ঐখোয়বু উশিন্তদুনা লাম্নি ময়াম পুরক্তুনা খাণ্ডব বন অসিবু কনগে হায়রনা লাকপা মতম অদুদা ঐগী তেম্না মহাক্কী হকচাংদা কুণ্ডল নাইনবচিংবদা কল্লা থারকপা মতম অদুদা লাইয়ামগী তেংগোনশিং অহনা করি অম্বাবা ফংবিবগে হায়বদু শোয়দনা উবিগনি ॥৩৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— কৃষ্ণ অমসুং অর্জ্জুন অনীনা অসুম হায়রবা মতমদা অগ্নি দেবনা ব্রাহ্মণগী মশক থাদোক্তুনা মৈরি ফংনা চান্নবা মৈগী মশক ওইহনা খাণ্ডব বন অদু চাকপা হৌখ্রে ॥৩৫॥ মতম অদুদা মৈনা খাণ্ডব বন অহুগী মায়কৈ মরিমক্তা কোয়শিল্লক্তুনা প্রলয়গী মতমদা তৌগদৌবা মওং অদু উত্তুনা খাণ্ডব বন অদু চাকথেল্লক্লে ॥৩৬॥ মহারাজ! মৈনা খাণ্ডব বন অদুদা চাক-শিল্লক্তুনা নোং-ভংবগী মতৌগুম্বা ভংল ভংলদুনা বন অদুদা লৈরিবা জীব পুম্নমক্কী থমোইদা অকিবা মিপায়বা পোকহনখি ॥৩৭॥ খাণ্ডব বন অসিনা চাকশিল্লবা অসিদা সুমিৎকী মতাম্না শিম্নুনা কুপলবা সুমেরু চীংজাউগী মতৌগুম্বা মশকপু অগ্নি দেবনা ঐখি ॥৩৮॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামদা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা খাণ্ডবদাহগী মসুংদা গাণ্ডীবনচিংবা পীবা ১সুং ফংবগী চনীগা তরানিপাল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম্

(ইন্দ্রনা শাওবা)

(চনি তরামাপল শুবা অধ্যায়)

——:(*):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তৌ রথাভ্যাং রথিশ্রেষ্ঠৌ দাবস্যোভয়তঃ স্থিতৌ। দিক্ষু সর্ব্বাসু ভূতানাং চক্রাতে কদনং মহৎ ॥১॥
যত্র যত্র স্ম দৃশ্যন্তে প্রাণিনঃ খাণ্ডবালয়াঃ। পলায়ন্তঃ প্রবীরৌ তৌ তত্র তত্রাভ্যধাবতাম্ ॥২॥
ছিদ্রং ন স্ম প্রপশ্যন্তি রথয়োরাশুচারিণোঃ। আবিদ্ধাবিব দৃশ্যেতে রথিনৌ তৌ রথোত্তমৌ ॥৩॥
খাণ্ডবে দহ্যমানে তু ভূতানি শতসংঘশঃ। উৎপেতুর্ভৈরবান্ নাদান্ বিনদন্তঃ সমন্ততঃ ॥৪॥
দগ্ধৈকদেশা বহবো নিষ্টপ্তাশ্চ তথাঽপরে। স্ফুটিতাক্ষা বিশীর্ণাশ্চ বিপ্লুতাশ্চ তথা পরে ॥৫॥
সমালিঙ্গ্য সুতানন্যে পিতৄন্ ভ্রাতৄনথাপরে। ত্যক্তুং ন শেকুঃ স্নেহেন তত্রৈব নিধনং গতাঃ ॥৬॥
সন্দষ্টদশনাশ্চান্যে সমুৎপেতুরনেকশঃ। ততস্তেঽত্যীব ঘূর্ণন্তঃ পুনরগ্নৌ প্রপেদিরে ॥৭॥
দগ্ধপক্ষাক্ষিচরণা বিচেষ্টন্তো মহীতলে। তত্র তত্র স্ম দৃশ্যন্তে বিনশ্যন্তঃ শরীরিণঃ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— রথীগী মপুংদা অথোইবা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীনা রথ অনীদা তোংখত্তুনা বনগী নাকশ অমমমদা লেংদনা লৈখি অমসুং মফম অতুদা লৈবা জীব পুম্নমকী থোইদোকনা খুদোংথিবা হায়বত্র ওইখি ॥ ১ ॥ কৃষ্ণ অমসুং অর্জ্জুন অনীনা, চেলগে হোৎনরকপা খাণ্ডব বাসী জীব পুম্নমকনা চেম্থোক চেম্থোরকপা মায়কদা চেনশিন চেনশিন্দুনা থিংজি ॥২॥ রথ অনী অদুসু অমসুং মম্মদ তোংলিবা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনী অদুসু অমত্তা ওইনা উখি; অদুদা লৈবা জীবশিং কনা অমতনা অনীগী মরক্তা অহোবা অহাংবা অমতসু উবা ফংখিদে ॥৩॥ মতৌ অসুম্না খাণ্ডব বন চাকশিল্লকপা অসিদা মথল মথা অয়াম্বা অচৌ অপিক জীব পুম্নমক অকিবগী মথক ফংলবা থোল্লাওগা লোয়ননা বনগী মংয়কৈ মরিমক্তগী চেম্থোকনরক্লে ॥ ৪ ॥ অযাম্বনা মশাগী শরুক অমমম চাকথেকখিয়না, খরনা তথায় অমমম চাকখিত্তনা খরনা মমিৎ শোদোক খোত্তোকখিদনো অমসুং অযাম্বনা মশা অহ্ শোদোকখিহনা, কীম্বহনা পাইখৎ পাযখৎ চেম্থোকনরমলগা মৈমুংদা তাখি ।৫॥ কনা কনাগুম্বা জীবনা মচা মগুবু, কনা কনাগুম্বনা মমা মপাবু, অদুগা কনা কনাগুম্বনা মচিন মনাওবু কোনশিন্দুনা লৈখি মুংশিবনা থাদোকনবা ঙম্মদহনা মফম অদুদা কোয় কোয়হনা শিমিয়খি ।৬॥ কনা কনাগুম্বা জীবনা ময়া ক্রক ক্রক চিক্তুনা চেম্থোক পায়থোকনরকই। অহবু হুন্দোকপা য়াদত্তুনা কয়া তোয়না কোইরৈ লৈরমলগা মৈমুংদা তান্তাহনা শিখি ॥৭॥ মফম মফমদা, শা উচেক শিংগী মশা মরেং মমিৎ মখোং চাক্তুনা লৈমায়মক্তা খরো খালো ওন্দুনা শিখ্রে ॥ ৮॥

জলাশয়েষু তপ্তেষু ক্কাথ্যমানেষু বহ্নিনা। গতসত্ত্বাঃ স্ম দৃশ্যন্তে কূর্ম্মমৎস্যাঃ সমন্ততঃ ॥৯॥
শরীরৈরপরৈর্দীপ্তৈর্দেহবন্ত ইবাগ্নয়ঃ। অদৃশ্যন্ত তদা তত্র প্রাণিনঃ প্রাণসংক্ষয়ে ॥১০॥
কাংশ্চিদুৎপততঃ পার্থঃ শরৈঃ সংছিদ্য খণ্ডশঃ। পাতয়ামাস বিহগান্ প্রদীপ্তে বসুরেতসি ॥১১॥
তে শরাচিতসর্বাঙ্গা বিনদন্তো মহারবান্। ঊর্দ্ধমুৎপত্য বেগেন নিপেতুঃ খাণ্ডবে পুনঃ ॥১২॥
শরৈরভ্যাহতানাঞ্চ সংঘশঃ স্ম বনৌকসাম্। বিরাবঃ শুশ্রুবে ঘোরঃ সমুদ্রস্যেব মথ্যতঃ ॥১৩॥
বহ্নেশ্চাপি প্রদীপ্তস্য খমুৎপেতুর্ম্মহার্চ্চিষঃ। জনয়ামাসুরুদ্বেগং সুমহান্তং দিবৌকসাম্ ॥১৪॥
তেনার্চ্চিষা সুসন্তপ্তা দেবাঃ সর্ষিপুরোগমাঃ।
ততো জগ্মুর্মহাত্মানঃ সর্ব এব দিবৌকসঃ। শতক্রতুং সহস্রাক্ষং দেবেশমসুরার্দ্দনম্ ॥১৫॥

দেবা উচুঃ।

কিং ন্বিমে মানবাঃ সর্ব্বে দহ্যন্তে চিত্রভানুনা। কচ্চিন্ন সংক্ষয়ঃ প্রাপ্তো লোকানামমরেশ্বর ! ॥১৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তচ্ছ্রুত্বা বৃত্রহা তেভ্যঃ স্বয়মেবান্ববেক্ষ্য চ। খাণ্ডবস্য বিমোক্ষার্থং প্রয়যৌ হরিবাহনঃ ॥১৭॥
মহতা রথবৃন্দেন নানারূপেণ বাসবঃ। আকাশং সমবাকীর্য্য প্রববর্ষ সুরেশ্বরঃ ॥১৮॥
ততোঽক্ষমাত্রা ব্যসৃজন ধারাঃ শতসহস্রশঃ। চোদিতা দেবরাজেন জলদাঃ খাণ্ডবং প্রতি ॥১৯॥

অদুগা অতৈ মঙ্কম মকমদগী বন অতুদা লৈবা পুখ্রী লাংথোংগী ঈশিং অদু শামনখিদুনা ক্রং ক্রং শোৌগৎকল্লবা অদুদা অদুগী মনুংদা লৈরম্বা অচৌ অচৌবা থেঙ্গু অমদি ঙা পুমনমক মথন্বাই থানরি ॥৯॥ বন-অদুদা জীব পুমনমক অদুগী হকচাং ময়াম অহনা চাক্লকপা অহনা মৈবু মথক-মথক নাইনা চেয়্থোরকপগুম উথি ॥ ১০ ॥ উচেক-কয়ানা কমা পায়থোকনরক্লি, অদুবু থুদক অমমক্তা অর্জ্জুনা তেন্না-মকুপ মকুপ ককথৎতুনা মৈসুংদা লংশিল্লি ॥ ১১ ॥ অর্জ্জুনগী তেন্না মশাদা থাজবা চৈনাক্পানবা অাকবগী-মথক কংনা কাওখোংদুনা মথকলোমদা পায়থবা উচেকশিং-অদুনা খাণ্ডব-বনগী মৈসুমদা হেক হেক তোথি ॥১২॥ অদুগা অর্জ্জুনগী তেন্নানা শানখৈবা মশাশিং অদুগী খোল্লেনস্না মথক-মথা [illegible] সমুদ্রগী ইরাউখোলগী মখোৌগুম তানথি ॥১৩॥ চাকথৎলকলিবা মৈগী-পাকচাউবা বাংনবা মৈগি-[illegible] নোংমক্লোন পকনা-হায়গৎলকপা অমদা [illegible] থিবিকী থয়োংগা [illegible] ॥১৪॥ মতম অমদা দেবতাশিং অমদি ঋষি মাগুম অদু মৈগী তেন্না-[illegible] মৈথা [illegible] অদুনা মখোয় পুম্নমক অমত্তা ওইনা ইন্দ্রগী জায়া চেঙথি ॥১৫॥ দেবতাশিংনা ইন্দ্রদা হায়খি—দেবরাজ অগ্নিনা-সংসারগী মী-জীব-পুম্নমকপু চাকথোক্লিবরা ? অথবা পুম্নমকগী প্রলয়গী মতমদি [illegible] ॥ ১৬ ॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি—মখোয়গী অচিনবগী ওয়া অদুদি তাবদা দেবরাজ [illegible] মশামক হক্লনা ভাইহাক তেঙ্কোনা খাণ্ডব বন অদুবু [illegible] মথক [illegible] ॥১৭॥ [illegible] য়াংনা চৎশিন্না মখল-মথা অয়াম্বা মশিং মরুগী নোংজাই [illegible] মরী হৈথখি ॥১৮॥ মতম অদুদা দেবরাজগী য়াথং মতুং ইন্না নোং [illegible]

অসম্প্রাপ্তাস্তু তা ধারাস্তেজসা জাতবেদসঃ। খ এব সমশুষ্যন্ত ন কাশ্চিৎ পাবকং গতাঃ ॥২০॥
ততো নমুচিহা ক্রুদ্ধো ভৃশমর্চ্চিষ্মতস্তদা। পুনরেব মহামেঘৈরম্ভাংসি ব্যসৃজদ্বহু ॥২১॥
অর্চ্চির্ধারাভিসম্বদ্ধং ধূমবিদ্যুৎসমাকুলম্। বভূব তদ্বনং ঘোরং স্তনয়িত্নুসমাকুলম্ ॥২২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি খাণ্ডবদাহে ইন্দ্রক্রোধে ঊনত্রিংশত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

মথক্তা জপ মালাগী লিকলুশিংনা মথং মথং ইশম শঙ্গনা তারকপগী মতৌশুম ঈশিং মতুম চাউরু চাউরবা চাম চাম লিশিং লিশিংনা বনগী মথক্তা শিন্থখি ॥১৯॥ অত্থবু ঈশিং ময়িকশিং অত্থনা মৈথক অহু যৌরকত্রিৌওদা কঙলিনখিবনা হানখিহনা মরিক অমা কাওবা মৈথক্তা তাবা কংখিদে ॥২০॥ অতুগী তুংদা ইন্দ্রনা শাওখিহনা মৈথক অহুদা চাউরবা নোংজাউ মপৈ থোমজিন্দুনা অতৎ অথম লৈতনা চুথহনখি ॥২১॥ মতম অতুদা লৈশী মৈরি অতুগা ঈশিংগী মরীশিং অতুগা অমস্তুং মৈথু অতুগা য়ায়-খিদুনা নোংথাংনা থুরক হাংদনা কুপলবা নোংগী মপৈ অঙ্গুনা কুপখিদুনা খাণ্ডব বন হায়বতু অকিবগী মশক ফংলবা মুর্ত্তি লৌখি ॥২২॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতত্তা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেৎবা সংহিতায়া আদি পর্ব্বদ খাণ্ডবদাহগী মতুংদা ইন্দ্রক্রোধ কৌবা চনীগা তরামাপল শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(*):——

শ্রীমহাভারতম্

(শাইয়ামগী কৃষ্ণার্জ্জুনগী লান্থেংনবা)

(চনি কুন শুবা অধ্যায়)

—:(†):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তস্যাথ বর্ষতো বারি পাণ্ডবঃ প্রত্যবারয়ৎ। শরবর্ষেণ বীভৎসুরুত্তমাস্ত্রাণি দর্শয়ন্ ॥১॥
খাণ্ডবঞ্চ বনং সর্ব্বং পাণ্ডবো বহুভিঃ শরৈঃ। প্রাচ্ছাদয়দমেয়াত্মা নীহারেণেব চন্দ্রমাঃ ॥২॥
ন চ স্ম কিঞ্চিচ্ছক্নোতি ভূতং নিশ্চরিতুং ততঃ। সংছাদ্যমানে খে বাণৈরস্যতা সব্যসাচিনা ॥৩॥
তক্ষকস্তু ন তত্রাসীন্নাগরাজো মহাবলঃ। দহ্যমানে বনে তস্মিন্ কুরুক্ষেত্রং গতো হি সঃ ॥৪॥
অশ্বসেনোঽভবত্তত্র তক্ষকস্য সুতো বলী। স যত্নমকরোত্তীব্রং মোক্ষার্থং জাতবেদসঃ ॥৫॥
ন শশাক স নির্গন্তুং নিরুদ্ধোঽর্জ্জুনপত্রিভিঃ। মোক্ষয়ামাস তং মাতা নিগীর্য্য ভুজগাত্মজা ॥৬॥
তস্য পূর্ব্বং শিরো গ্রস্তং পুচ্ছমস্য নিগীর্য্য চ। নিগীর্য্যমাণা সাক্রামৎ সুতং নাগী মুমুক্ষয়া ॥৭॥
তস্যাঃ শরেণ তীক্ষ্ণেন পৃথুধারেণ পাণ্ডবঃ। শিরশ্চিচ্ছেদ গচ্ছন্ত্যাস্তামপশ্যচ্ছচীপতিঃ ॥৮॥
তং মুমোচয়িষুর্বজ্রী বাত বর্ষেণ পাণ্ডবম্। মোহয়ামাস তৎকালমশ্বসেনস্ত্বমুচ্যত ॥৯॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— ইন্দ্রনা অতৎ অথম নৈতনা নোং চুথহল্লকবা মতমদা, অর্জ্জুননা মহাক্কী মথুৎ মশা হৈবা অমদি লালদা হৈবগী মতিক উংনা উংনা নোংশিং অদুবু থিংচুনা থমখি ॥১॥ মানা মহাক্কী মঙালনা, নৈচীল নোংকাইগুম্না জগৎ পুম্নমকপু কুপ্পনা থম্বা অদুগুম অর্জ্জুননা মহাক্কী তেলশিংতনা খাণ্ডব বন অদুবু কুপ্পনা থমখি ॥২॥ মথুৎ থুরবা অর্জ্জুননা তেলতনা বন অদুবু কুপ্পনা থমখ্রবা অদুদদি জীব অমা ফাওবা বন অদুদগী নাপ্পোকপা ঙমখিদ্রে ॥৩॥ মতৌ অসুম্না খাণ্ডব বন মৈ চাকপা মতম অসিদা মপাঙ্গল কল্লবা নাগরাজ তক্ষকতি বন অদুদা লৈরমদে, অসিগী মমাংদা মহাক্কি কুরু ক্ষেত্রদা অদুম চৎখ্রবনি ॥৪॥ অদুগা মহাক্কী মচা কল্লবা অশ্বসেন হায়রিবা মচা অসিদি বন অদুদা লৈরম্মি; মহাক্কা মৈদগী লাপ্পোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরম্মি ॥৫॥ অদুবু অর্জ্জুনগী তেলনা মায়কৈ মরি থিংচুনা থমখিবা অদুদা থোরকপা ঙমখিদ্রে; অদুমনদি ওইরবা মমানা য়াসুংদা য়োম্বনা লাপ্পোকখি ॥৬॥ তক্ষককী মচু লিল অমিনা মচা অশ্বসেনগী মক্কোক্কী শরুক য়োৎশিলখি, অদুদগী মথং মথং মৈতোন ফাওবা য়োৎশিন্দুনা মপুক মনুংদা পুদুনা মচাবু নাপ্পোকহনগে হায়না থন্দুনা চেপ্পোরকই ॥৭॥ চেপ্পোরকপা মতম অসিদা অর্জুননা মহাক্কী তক্ককী মচু মকোক অদু অথৌবা তেলনা ককথৎখি, মতম অসিমতুনদা ইন্দ্রনা মহাকপু উখি ॥৮॥ মতম অসিদা ইন্দ্রনা অশ্বসেনবু কনগে হায়না থন্দুনা নুংশিৎকী অকনবা তেন্তনা অর্জ্জুনবু ঙ্গাওহনখি, অদুদা শিং কায় পাংবা,

তাঞ্চ মায়াং তদা দৃষ্ট্বা ঘোরাং নাগেন বঞ্চিতঃ। দ্বিধা ত্রিধা চ খগতান্ প্রাণিনঃ পাণ্ডবোঽচ্ছিনৎ ॥১০॥
শশাপ তঞ্চ সংক্রুদ্ধো বীভৎসুর্জিহ্মগামিনম্। পাবকো বাসুদেবশ্চাপ্যপ্রতিষ্ঠো ভবিষ্যসি ॥১১॥
ততো জিষ্ণুঃ সহস্রাক্ষং খং বিতত্যাশুগৈঃ শরৈঃ। যোধয়ামাস সংক্রুদ্ধো বঞ্চনাং তামনুস্মরন্ ॥১২॥
দেবরাজোঽপি তং দৃষ্ট্বা সংরব্ধং সমরেঽর্জ্জুনম্। স্বমস্ত্রমসৃজত্তীব্রং ছাদয়িত্বাঽখিলং নভঃ ॥১৩॥
ততো বায়ুর্মহাঘোষঃ ক্ষোভয়ন্ সর্ব্বসাগরান্। বিয়ৎস্থোঽজনয়ন্মেঘান্ জলধারাসমাকুলান্ ॥১৪॥
ততোঽশনিমুচো ঘোরাংস্তড়িৎস্তনিতনিস্বনান্। তদ্বিঘাতার্থমসৃজদর্জ্জুনোঽপ্যস্ত্রমুত্তমম্ ॥১৫॥
বায়ব্যমভিমন্ত্র্যাথ প্রতিপত্তিবিশারদঃ। তেনেন্দ্রাশনিমেঘানাং বীর্য্যৌজস্তদ্বিনাশিতম্ ॥১৬॥
জলধারাশ্চ তাঃ শোষং জগ্মুর্নেশুশ্চ বিদ্যুতঃ। ক্ষণেন চাভবদ্ব্যোম সম্প্রশান্তরজস্তমঃ ॥১৭॥
সুখশীতানিলবহং প্রকৃতিস্থার্কমণ্ডলম্। নিষ্প্রতীকারহৃষ্টশ্চ হুতভুগ্ বিবিধাকৃতিঃ ॥১৮॥
সিচ্যমানো বসৌঘৈস্তৈঃ প্রাণিনাং দেহনিঃসৃতৈঃ। প্রজজ্বালাথ সোঽর্চ্চিষ্মান্ স্বনাদৈঃ পূরয়ন্ জগৎ ॥১৯॥
কৃষ্ণাভ্যাং রক্ষিতং দৃষ্ট্বা তঞ্চ দাবমহঙ্কৃতাঃ। খমুৎপেতুর্মহারাজ সুপর্ণাদ্যাঃ পতত্রিণঃ ॥২০॥

য়াত্রিদৈ মতমসিদা অশ্বসেন নাম্থোকখি ॥৯॥ ইন্দ্রনা অকিবা ফংবা মায়া তৌরকপা অমস্তুং অশ্বসেননা নমথাক তৌহনা নাম্থোকখিবা অসি উবদা থোইনা শাওরবা অর্জ্জুননা আকাশদা লৈবা জীবশিংবু অনীনি অহুম অহুম থোক্লা ককথত্নুনা থাদবা হৌরকলে ॥১০॥ মতম অহুদা কৃষ্ণগা অর্জ্জুনগা অমস্তুং অগ্নিগা অহুমনা অশ্বসেনদা—"নংতদি চংনফম লৈতবা হায়বহ ওইগনু" অস্তুম হায়না শাপ তৌখ্রে ॥১১॥ অতুগী তুংদা ইন্দ্রনা নমথাক তৌখিবতু নিংশিংদুনা শাওহনা শাকু কল্লবা য়াংলবা তেক্তনা নোংমদোন পুস্বা কুপখিহনা ইন্দ্রগা অকনবা লাল থেংনখি ॥১২॥ ইন্দ্রসু লালদা অর্জ্জুননা শাওবদ্ উবদা অতিয়া পুম্বা কুপ্তুনা থূংলাই মখল মখল কাপখোরক্রে ॥১৩॥ মতম অসিদা মখোল হৌরবা নুংশিৎ মপেনা পুক্লপ্না সমুদ্রবু ইথক কৌহন্দুনা আকাশদা লেংদনা নৈদুনা নোং মরী মরী হৈথবা নোং মপে শেমখ্রে ॥১৪॥ মতম অদুদা অকিবগী মশক ফংলবা নোংশিং অদুনা নোংমৈ শীংজং নোংথাংগা লোয়ননা তংশিল্লকপদু উবদা মাদু কোক্লনবা, মাদুগুম্বা কোকহনবা হৈবা অর্জ্জুননসু মন্ত্রগা লোয়ননা নুংশিৎকী তেল মমম মনম কাপশিল্লকলে। মাতুদা ইন্দ্রগী বজ্র অমস্তুং মংহবা নোং পুম্নমক মহী ময়াই চমখ্রে ॥১৫—১৬॥

মিকুপ অমগী মন্থুংদা ঈশিং মরী পুমনমক মুংখ্রে, নোংথাং মাংখ্রে; অতিয়া শীনথুংনা কুপলগ উকুল থাইকুল, লৈচিন নোংকাই অমস্তুং অমম্বা পুম্বা কোকখ্রে, লৈখিদ্রে ॥১৭॥ নুংঙাইরবা ঈংলবা নুংশিৎ শীংলক্রে, নুমিৎকী মকোয় হামগত্রে মঙং মতৌ তোঙাল তোঙাল পুমবা মৈস্থ হৌজিক্কি অখিংব অপনবা লৈত্রদুনা নুংঙাইনা চাকপা হৌরে ॥১৮॥ জীবশিংগী মশাদগী চেস্থ শীস্থরকপা মতোং মহাও খিবিক্লা পুম্বত্তে তৈরতুনা অগ্নি দেবসু মহাক্কী মখিল মখোলনা জগৎ শীনথুংহন্দুনা চাকপা হৌরক্রে ॥১৯॥ মতম অসিদা কৃষ্ণ—অর্জ্জুন অনীমক্লা খাণ্ডব বনবু জীব অমত থোরক হন্দনা ঙাক্তুনা খমজি মাক্লবশি তাহনা গরুড়গী শাগৈ নাত্তে উচেক ময়াম্না মাপল তৌরহনা অতিয়া কুপনা পায়শিল্লক্রে ॥২০॥

গরুড়া বজ্রনখৈঃ পক্ষতুণ্ডনখৈস্তথা । প্রহর্ত্তুকামা ক্রুদ্ধাঃ কৃষ্ণপাণ্ডবৌ ॥২১॥
তথৈবোরগণাস্তাঃ পাণ্ডবস্য সমীপতঃ । উৎসৃজন্তো বিষং ঘোরং নিপেতুর্জ্বলিতাননাঃ ॥২২॥
তাংশ্চকর্ত্ত শরৈঃ পার্থঃ স্বরোষাগ্নিসমন্বিতৈঃ । বিবিশুশ্চাপি তং দীপ্তং দেহাভাবায় পাবকম্ ॥২৩॥
ততোঽসুরাঃ সগন্ধর্ব্বা যক্ষরাক্ষসপন্নগাঃ । উৎপেতুর্নাদমতুলমুৎসৃজন্তো রণার্থিনঃ ॥২৪॥
অয়ঃকনকচক্রাশ্মভুশুণ্ড্যুদ্যতবাহবঃ । কৃষ্ণপার্থৌ জিঘাংসন্তঃ ক্রোধসংমূর্চ্ছিতৌজসঃ ॥২৫॥
তেষামতিব্যাহরতাং শস্ত্রবর্ষঞ্চ মুঞ্চতাম্ । প্রমমাথোত্তমাঙ্গানি বীভৎসুর্নিশিতৈঃ শরৈঃ ॥২৬॥
কৃষ্ণশ্চ সুমহাতেজাশ্চক্রেণারিবিনাশনঃ । দৈত্যদানবসঙ্ঘানাং চকার কদনং মহৎ ॥২৭॥
অথাপরে শরৈর্বিদ্ধাশ্চক্রবেগেরিতাস্তথা । বেলামিব সমাসাদ্য ব্যতিষ্ঠন্নমিতৌজসঃ ॥২৮॥
ততঃ শক্রোঽতিসংক্রুদ্ধস্ত্রিদশানাং মহেশ্বরঃ । পাণ্ডরং গজমাস্থায় তাবুভৌ সমুপাদ্রবৎ ॥২৯॥
বেগেনাশনিমাদায় বজ্রমস্ত্রঞ্চ সোঽসৃজৎ । হতাবেতাবেতি প্রাহ সুরানসুরসূদনঃ ॥৩০॥
ততঃ সমুদ্যতাং দৃষ্ট্বা দেবেন্দ্রেণ মহাশনিম্ । জগৃহুঃ সর্ব্বশস্ত্রাণি স্বানি স্বানি সুরাস্তথা ॥৩১॥

অতোপ অতোপ্পা গরুড়গী বংশগী উচেক ময়াম্বা মখোয়গী বজ্রগ্যা মায়না কল্লবা মণা, মটীল, অমসুং খুজিন্না য়েক্কবাশিং অহুম্ব ফুগে তুহৎকে হায়বগী পক্ষ অ-কাশগী কৃষ্ণ অর্জ্জুনগী নাক্ষল পাইথরক্লে ॥২১॥ মটীল মৈ হৌরবা, লিল মপোন্না মহু কাল্ল কায়দুনা অর্জ্জুনগোমদা পাইশিল খুজিন্নরে ॥ ২২ ॥ অর্জ্জুনসু অশাওবগী মৈগা লোয়ননবা তেল মপোনা পাইশিন্নক্লিবশিং অদুবু ককথৎ ককথত্তুনা থাদরকপা হৌরে। মথোয় অহ শিজরুগে হায়বগুম মৈশুংদা মপে মপে তারক্লি ॥২৩॥ অহৌঙী তুংদা মপাঙ্গল কান্নবা, লাইহিংচাবা, গন্ধর্ব্ব, যক্ষ-রক্ষ অচৌ অচৌবা লিল কয়াদা কৃষ্ণগা অর্জ্জুনগা হাৎলুগে হায়না থজুনা, য়োৎকী, সনাগী চক্র, চীংলুং, মুংস্ফুকমচিংবা থাংগৎ পায়থত্তুনা লাল শোক্কনিংহুনা খোঞ্জেল হৌনা শিংহনাদ লাওর-লাওরদুনা তম চোংখে নরক্লে, খুংলয়ে, ॥ ২৪—২৫ ॥ মখোয়না লাক তুনা লাওথাংলজুনা মাগী মাগী খুৎলাই মপে হৈথরকপা মতমদা অর্জ্জুননা থৌর থৌরবা তেন্না মখোয় পুম্বগী মতক ককখি ॥ ২৬ ॥ মীখোই মীহেক্কা কল্লবা অমসুং য়েক্কবা ফুমদা হাৎলেবা কৃষ্ণসু চক্রগুনা দৈত্য-দানব ময়াম্বু অব্বাবা দাশাদা তাহনখি ॥ ২৭ ॥

কল্লবা ঈশিংগী হৈরেদা, [illegible] ঈনখোকখিরো,
য়াংলবা কংলবা নাপীশিংদা, [illegible] [illegible]
অর্জ্জুনগী তেন্না থাবদা, কৃষ্ণগী চক্রনা পাইশিন্নবদা,
য়েন্নবা কাংবু মপেরো, [illegible] [illegible] ॥ ২৮ ॥
মতম তাঙ্গা [illegible] দেবরাজ ইন্দ্র শেত্‌রাবেয়া [illegible] [illegible],
কৃষ্ণ অর্জ্জুনগী ময়াইকদা [illegible] [illegible] ॥ [illegible] ॥

ইন্দ্রনা খুন য়াংনা বজ্র অমসুং হীরা-হৎলদা অতোপ অতোপ্পা [illegible] পায়থত্তুনা [illegible] [illegible], তৌন লাইয়াম থিবিক্কা লাওরকই— "অনী অসি হাৎলববি খংউ" । ॥ ৩০ ॥ [illegible] [illegible]

কালদণ্ডং যমো রাজন্! গদাঞ্চৈব ধনেশ্বরঃ। পাশাংশ্চ তত্র বরুণো বিচিত্রাঞ্চ তথাশনিম্ ॥৩২॥
স্কন্দঃ শক্তিং সমাদায় তস্থৌ মেরুরিবাচলঃ। ওষধীর্দীপ্যমানাশ্চ জগৃহাতেঽশ্বিনাবপি ॥৩৩॥
জগৃহে চ ধনুর্দ্ধাতা মুষলঞ্চ জয়স্তথা। পর্ব্বতঞ্চাপি জগ্রাহ ক্রুদ্ধস্ত্বষ্টা মহাবলঃ ॥৩৪॥
অংশস্তু শক্তিং জগ্রাহ মৃত্যুর্দেবঃ পরশ্বধম্। প্রগৃহ্য পরিঘং ঘোরং বিচচারার্য্যমা অপি ॥৩৫॥
মিত্রশ্চ ক্ষুরপর্য্যন্তং চক্রমাদায় তস্থিবান্। পূষা ভগশ্চ সংক্রুদ্ধঃ সবিতা চ বিশাম্পতে ! ॥৩৬॥
আত্তকার্ম্মুকনিস্ত্রিংশাঃ কৃষ্ণপার্থৌ প্রদুদ্রুবুঃ। রুদ্রাশ্চ বসবশ্চৈব মরুতশ্চ মহাবলাঃ ॥৩৭॥
বিশ্বেদেবাস্তথা সাধ্যা দীপ্যমানাঃ স্বতেজসা। এতে চান্যে চ বহবো দেবাস্তৌ পুরুষোত্তমৌ ॥৩৮॥
কৃষ্ণপার্থৌ জিঘাংসন্তঃ প্রতীয়ুর্ব্বিবিধায়ুধাঃ। তত্রাদ্ভুতান্যদৃশ্যন্ত নিমিত্তানি মহাহবে ॥৩৯॥
যুগান্তসমরূপাণি ভূতসম্মোহনানি চ। তথা দৃষ্ট্বা সুসংরব্ধং শক্রং দেবৈঃ সহাচ্যুতৌ ॥৪০॥
অভীতৌ যুধি দুর্দ্ধর্ষৌ তস্থতুঃ সজ্জকার্ম্মুকৌ। আগচ্ছতস্ততো দেবানুভৌ যুদ্ধবিশারদৌ ॥৪১॥
ব্যতাড়য়েতাং সংক্রুদ্ধৌ শরৈর্ব্বজ্রোপমৈস্তদা। অসকৃদ্ভগ্নসঙ্কল্পাঃ সুরাশ্চ বহুশঃ কৃতাঃ ॥৪২॥

পায়থৎলকপা উবদ', অতোপ অতোপ্পা দেবতাশিংস্থ মাগী মাগী খুৎলাই পায়থৎনরক্লে ॥ ৩১ ॥ যমনা মহাক্কী কালদণ্ড, কুবেরনা গদা বরুণনা মহাক্কী লাংথোঁরি অমদি অঙ্কপা বজ্র পায়থংলি ॥ ৩২ ॥ কার্ত্তিকনা মহাক্কী তা পায়খত্তুনা সুমেরু চীংজাউগী মতোঁগুমনা লেংদনা লৈখি অমসুং অশ্বিনীকুমার অনীনা লংলবা, খুদক্তা থব্বাই মাংহনবা ঙম্বা খুৎলাইগী মশক ওইরবা হিদাক পায়ন্থনা চোংথোরকই ।৩৩। ধাতানা লীরুং, জয়না সুংশুক অমসুং মপাঙ্গল চাউরবা ত্বষ্টানা শাউত্নুনা চীংঙ্গম অমা কুক্তুনা পায়খৎলকই ॥৩৪॥ অংশ কৌবা দেবতানা তা, মৃত্যুদেবনা শীংজং পায়খৎখি অমসুং সূর্য্যদেবনা অকিবগী মশক ওইরবা অথোঁবা শাংলবা তা, পারখত্তুনা নাপল তৌহনা হঙ্গৎ হন্দা চৎলকই ॥৩৫॥ মিত্র, পুষা, ভগ, অমসুং সবিতা মখোয় পুম্নমক অসি অশাওবগা লোয়ননা ক্ষুরগী মতোঁগুম্না থোঁরবা চক্র পায়খত্তুনা ফিবম তৌদুনা লৈখি ॥ ৩৬ ॥

অদুগা মপাঙ্গল চাউরবা রুদ্র তরামাথোই, বসু নিপাল, মরুৎশিং নিকুমাপল, মখোয় পুম্নমক অসি অমমমনা মাগী মাগী লীরুং অমসুং থাংশাং পায়খত্তুনা কৃষ্ণ অমসুং অর্জ্জুনগী মায়কৈদা চেনশিল্লকই ॥৩৭॥ মাগী মাগী তেজতনা ইরং ইরং লংলবা মূর্ত্তি পূরবা বিশ্বে দেবশিং অমসুং সাধ্য মপৈ অসি নত্তবা দেবতা অতৈ অতৈনা মাগী মাগী মখল মখলগী খুৎলাই পায়খত্তুনা মীথোই মীচ্ছেলবা কৃষ্ণ অমসুং অর্জ্জুনবু হাৎকনি হায়দুনা চেনশিল্লকই। মতম অদুদা লাঙ্গাউ অদুদা প্রলয়গী মতমদা ওইগদৌবা মগুং অহগুমনা জীব পুম্নমক্কী শুম্বাংনবগী মশক ওইরবা কদ্রবা শুম্নমক উবা ফংখি। অসোমদা লান্দা লাকন্তম ফাওমদবা কৃষ্ণ অমসুং অর্জ্জুন অনীনা লাইরাম খিরিক্কা লোয়নরবা ইন্দ্রনা য়ামনা শাওরবা ওইদুনসু নিংঙায়বা অকিবা লৈতনা লেংদনা লৈখি, অদুগী তুংদা দেবতাশিংনা হেক লাকপা মতমদা বজ্রগা-য়ায়না কনবা তেনগী মপৈনা মখোয়দা থাখি। মতৌ অদুনা হায়রা মায়থিবা নংহুনা নীংবা কায়রবা দেবতাশিংনা, কিবনা লানথম অদু থাদোক্তুনা ইন্দ্রগী মফমদা চংশিন্দুনা আশ্রয় লৌখি। মতম অদুদা কৃষ্ণ অমসুং অর্জ্জুননা লাইরাম খিবিকপু য়াম্না লাকচনা অবাবা পীবদু

ভয়াত্রাণং পরিত্যজ্য শক্রমেবাভিশিশ্রিয়ুঃ। দৃষ্ট্বা নিবারিতান্ মেঘান্ মাধবেনার্জ্জুনেন চ ॥৪৩॥
আশ্চর্য্যমগমংস্তত্র মুনয়ো নভসি স্থিতাঃ। শক্রশ্চাপি তয়োর্বীর্য্যমুপলভ্যাসকৃদ্রণে ॥৪৪॥
বভূব পরমপ্রীতো ভূয়শ্চৈতাবযোধয়ৎ। ততোঽশ্মবর্ষং সুমহদ্ ব্যসৃজৎ পাকশাসনঃ ॥৪৫॥
ভূয় এব তদা বীর্য্যং জিজ্ঞাসুঃ সব্যসাচিনঃ। তচ্ছরৈরর্জ্জুনো বর্ষং প্রতিজঘ্নেঽত্যমর্ষিতঃ ॥৪৬॥
বিফলং ক্রিয়মাণং তৎ সমবেক্ষ্য শতক্রতুঃ। ভূয়ঃ সংবর্দ্ধয়ামাস তদ্বর্ষং পাকশাসনঃ ॥৪৭॥
সোঽশ্মবর্ষং মহাবেগৈরিষুভিঃ পাকশাসনিঃ। বিলয়ং গময়ামাস হর্ষয়ন্ পিতরং তথা ॥৪৮॥
তত উৎপাট্য পাণিভ্যাং মন্দরাচ্ছিখরং মহৎ। সদ্রুমং ব্যসৃজচ্ছক্রো জিঘাংসুঃ পাণ্ডুনন্দনম্ ॥৪৯॥
ততোঽর্জ্জুনো বেগবদ্ভির্জ্বলিতাগ্রৈরজিহ্মগৈঃ। শরৈর্বিধ্বংসয়ামাস গিরেঃ শৃঙ্গং সহস্রধা ॥৫০॥
গিরের্বিশীর্য্যমাণস্য তস্য রূপং তদা বভৌ। সার্কচন্দ্রগ্রহস্যেব নভসঃ পরিশীর্য্যতঃ ॥৫১॥
তেনাভিপততা দাবং শৈলেন মহতা ভৃশম্। শৃঙ্গেণ নিহতাস্তত্র প্রাণিনঃ খাণ্ডবালয়াঃ ॥৫২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি খাণ্ডবদাহে
দেবকৃষ্ণার্জ্জুনযুদ্ধে বিংশত্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০

—(০)—

উবদা আকাশতা লৈরিবা মুনি ঋষি খিবিকনা থোইদোকনা অঙ্গাবা অঙকপা ফংখি। ইন্দ্রগী লানফম অতুদা হয়া হয়া কৃষ্ণ অমসুং অর্জ্জুনগী মপাঙ্গল অদু উবদা থোইদোক্না পুকনিংদা অপেনবা পোকখি অমসুং অমুক হয়া লানশোকনবা হৌখি, অদুগী তুংদা চীং শুংনাচংবা মপৈ মপৈ থাদবা হৌখি ॥৩৮—৪৫॥

মতম অদুদা ইন্দ্রনা অর্জ্জুনগী মহৈ মপাঙ্গল অসি কয়াগী মতিক লৈবগে হায়বদু খংনীং-গুন্মি ॥৪৬॥ শুংতনা নোংচুবগুম হৈথবা অদু অর্জ্জুননা করিমত্তা কান্নহনখিদবদু উবদা মাহদগী হেন্না অমুকন্দু শুং ময়াম মথক্কী থীকথবা হৌরক্লে ॥৪৭॥ মতম অদুদা অর্জ্জুননা মাবু পোকপা ইন্দ্রবু শুংহাইহন্দুনা, পেলহন্দুনা শাফু কল্লবা থৌরবা তেল মপৈনা শুংগী নোং অদু মিযুপ্তা কোয়না মাংহনখি ॥ ৪৮ ॥

অদুগী তুংদা ইন্দ্রনা অর্জ্জুনবু হাৎলগে হায়না খনম্বনা মখুং অনীনা, উ হানা থম হৌরবা মন্দর কোবা চীংবু কুক্তুনা অর্জ্জুন তন্না লংথরক্লে ॥৪৯॥ মতম অদুদা অর্জ্জুননা শাফু কল্লবা মখোং য়াংলবা মচীল লংলবা চুমনা পাইরবা তেল মপৈ মপৈনা চীংদোল অদু মচেৎ লিশিং লিশিং থোকনা ককথকনা থুগাইখি ॥৫০॥ মতম অদুদা, কায়রবা অতিয়া মকোয়দগী শুমিৎ থা অমসুং অতোপ অতোপ্পা গ্রহনা নোংথক্কী নীংথায়দুনা তারকপ উবা অদুগুম চীংদোন অদুনা মচেৎ লিশিং লিশিং থোকনা তারকপদদু মত্তৌ অদুগুম উনখি ॥৫১॥ য়াং চাওরবা চীং অদুগী মচেৎ তারবা চীংদোনশিং অদুনা খাণ্ডব বনগী মথক্তা তারকপা মতমদা অহোয়নদুন মফম অদুদা লৈবা জীবশিংবু মাংহনখে ॥৫২॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেখবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা "খাণ্ডবদাহ" গী মতাংদা চানীগা তুন শুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

——(*)——

শ্রীমহাভারতম্।

(ময়দানব কনবা স্বারী মতাং)

(চনি কুনমাথোই শুবা অধ্যায়)

——(•):——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তথা শৈলনিপাতেন ভীষিতাঃ খাণ্ডবালয়াঃ। দানবা রাক্ষসা নাগাস্তরক্ষ্বৃক্ষবনৌকসঃ ॥১॥

দ্বিপাঃ প্রভিন্নাঃ শার্দ্দুলাঃ সিংহাঃ কেশরিণস্তথা। মৃগাশ্চ মহিষাশ্চৈব শতশঃ পক্ষিনস্তথা ॥২॥

সমুদ্বিগ্না বিসস্রুস্তথান্যা ভূতজাতয়ঃ। তং দাবং সমুদৈক্ষন্ত কৃষ্ণৌ চাভ্যুদ্যতায়ুধৌ।
উৎপাতনাদশব্দেন ত্রাসিতা ইব চাভবন ॥৩॥

তে বনং প্রসমীক্ষাথ দহ্যমানমনেকধা। কৃষ্ণমভ্যুদ্যতাস্ত্রঞ্চ নাদং মুমুচুরুল্বণম্ ॥৪॥

তেন নাদেন রৌদ্রেণ নাদেন চ বিভাবসোঃ। ররাস গগনং কৃৎস্নমুৎপাতজলদৈরিব ॥৫॥

ততঃ কৃষ্ণো মহাবাহুঃ স্বতেজোভাস্বরং মহৎ। চক্রং ব্যসৃজদত্যুগ্রং তেষাং নাশায় কেশবঃ ॥৬॥

তেনার্ত্তা জাতয়ঃ ক্ষুদ্রাঃ সদানবনিশাচরাঃ। নিকৃত্তাঃ শতশঃ সর্ব্বা নিপেতুরনলং ক্ষণাৎ ॥৭॥

তত্রাদৃশ্যন্ত তে দৈত্যাঃ কৃষ্ণচক্রবিদারিতাঃ। বসারুধিরসংপৃক্তাঃ সন্ধ্যায়ামিব তোয়দাঃ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— চীংদোম্না তারকপা অতুদা খাণ্ডব বন্দা লৈরিবা দৈত্য দানব, হিংচাবা অচৌ অচৌবা লিল, কৈ, শওম অমস্তুং জীব অতৈ অতৈ মিপাইহনখি ॥১॥ চীংদোল অতুনা হেক তারকপদা শামু, কৈ, নোংশা, শজী শঙাই, ইরোই অমস্তুং উচেক চাম চাম, লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইনা মাংহনখি ॥২॥ অতোপ অতোপ্পা জীবশিংনা লোইনা মৈ হ্বাইত্রিবা মকম মকমদা থৈদোক্লরক্রে, অস্তুম্না থৈদোক্লকপা মতম অসিদা মখোয়না কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীবু মুম য়েংগকই, লীরি হাপ্প খীংবগী খোঞ্জেম্না মখোয়গী থম্মোইদা মিপাইবা অকিবা পোকখি ॥৩॥ মখোয় পুম্বনা চাকশিন্নক্রিবা বনলোমদা অমুক য়েং অতুগা কৃষ্ণ রোমদা অধুক য়েংতুনা অরা অনা অকিবগী থম্মোই শোকপা খোঞ্জেম্না কন্না লাওনরকই ॥৪॥ মখোয়গী খোঞ্জেল অতুগা মৈগী মৈনীন খোঞ্জেল অনী অসিগা তিন্নতুনা থোরকপা মখোল অদু তাবদা, আকাশ মশামক্লা অমগা অমগা থেংগাইননা নোংগী খোঞ্জেন্তনা মখোল থোকনা হংলকপদু মতামগে ॥৫॥ মপান্থোম মথৌনা চাওরবা, মীথোই মীহেল্লবা কৃষ্ণনা মখোয় পুম্বহবু মাংহন্নগে হায়রবনা লংলবা, পাক চাওরবা, অকিবগী মশক ফংলবা চক্র অদু লংলক্রে ॥৬॥ মতম অতুদা দানব অমহং চাওর চাওরবা হিংচাবা কয়া কয়া অমস্তুং অপীকপা জীব কয়া কয়াস্থ মতুপ চাম চাম খোক্লা ককথংথিত্তুনা মৈত্তুংদা তাখি ॥৭॥ মতম অতুদা দৈত্য দানব পুমনমক চক্রনা মচেং মচে খোকনা ককথিন্না অহুদা মখোয়গী হকচাং মচেংশিং অদু ঈ-মতোংতনা পুমতোং তোংখি। মতম

পিশাচান্ পক্ষিণো নাগান্ পশূংশ্চৈব সহস্রশঃ। নিঘ্নংশ্চরতি বার্ষ্ণেয়ঃ কালবত্তত্র ভারত! ॥৯॥
ক্ষিপ্তং ক্ষিপ্তং পুনশ্চক্রং কৃষ্ণস্যামিত্রঘাতিনঃ। ছিত্ত্বানেকানি সত্ত্বানি পাণিমেতি পুনঃ পুনঃ ॥১০॥
তথা তু নিঘ্নতস্তস্য পিশাচোরগরাক্ষসান্। বভূব রূপমত্যুগ্রং সর্ব্বভূতাত্মনস্তদা ॥১১॥
সমেতানাস্তু সর্ব্বেষাং দানবানাঞ্চ সর্ব্বশঃ। বিজেতা নাভবৎ কশ্চিৎ কৃষ্ণপাণ্ডবয়োর্ম্মৃধে ॥১২॥
তয়োর্ব্বলাৎ পরিত্রাতুং তঞ্চ দাবং যদা সুরাঃ। নাশক্নুবন্ শময়িতুং তদাভুবন পরাঙ্মুখাঃ ॥১৩॥
শতক্রতুস্তু সংপ্রেক্ষ্য বিমুখানমরাংস্তথা। বভূব মুদিতো রাজন্ প্রশংসন্ কেশবার্জ্জুনৌ ॥১৪॥
নিবৃত্তেষথ দেবেষু বাগুবাচাশরীরিণী। শতক্রতুং সমাভাষ্য মহাগম্ভীরনিস্বনা ॥১৫॥
ন তে সখা সন্নিহিতস্তক্ষকো ভুজগোত্তমঃ। দাহকালে খাণ্ডবস্য কুরুক্ষেত্রং গতো হ্যসৌ ॥১৬॥
ন চ শক্যৌ যুধা জেতুং কথঞ্চিদপি বাসব!। বাসুদেবার্জ্জুনাবেতৌ নিবোধ বচনান্মম ॥১৭॥
নরনারায়ণাবেতৌ পূর্ব্বদেবৌ দিবি শ্রুতৌ। ভবানপ্যভিজানাতি যদ্বীর্য্যৌ যৎপরাক্রমৌ ॥১৮॥
নৈতৌ শক্যৌ দুরাধর্ষৌ বিজেতুমজিতৌ যুধি। অপি সর্ব্বেষু লোকেষু পুরাণাবৃষিসত্তমৌ ॥১৯॥

অতুদসি সন্ধ্যা মতমগী ওাংলবা নোংজাবী মতুপ মতুপ পাইবতু মতায়খে, ॥৮॥ মহারাজ! কৃষ্ণনা মতম অমদা, যমগী মতৌগুমনা হিংচা য়াইতম্ব লিশিং লিশিং শা উচেক, লিল মখল মখল মশিং লাকওমদনা হাৎল হাৎলতুনা বনগী মায়কৈ অকোয়বদা কোয়চৎ চৎপা হৌরকলে ॥৯॥ কৃষ্ণনা চক্রবু হন্না হন্না হল্লক্লে, চক্রতুনসু জীব কয়া কয়াবু ককলুরগা অমুমুক কৃষ্ণগী খুত্তা থুংলৈ ॥১০॥ সংসারগী জীব পুমনমকনা মহাক্কী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণনা, মতৌ অসুমনা এন অতুগী মমুংদা লৈবা হিংচা য়াইতম্বা লিল অচৌ অচৌবা, দৈত্য দানব কয়া হাৎচিনলকপা অসিদা মহাক্কী শকফম অতু অকিবা অমা পোকখ্রে ॥১১॥ অতুগা হেক লাকসিবা লাই হিংচাবশিং অতুগী মমুংদা হৌজিক ফাউবা লানফম অদুদা কনাগুম্বা অমতনা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীবু মায়থিবা পীবা ঙমদ্রি ॥১২॥ কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমক্কী মপাঙ্গল মথৌনা তাতুনা অনীগী মথুক্তগী দেবতাশিংনা খাণ্ডব বনবু কনবা ঙমখিদরে, অদুদি লাইরতুনা অনী অতুগী থুংলাই অমা ফাউবা হৌজিক ফাউবা ককপা ঙমখিদ্রি, অতুনা মথোয় পুমনমক অদু অমুক হন্না লেপ্পা ঙমদতুনা মমায় ওনখ্রে ॥১৩॥ অদুমদি ওইরবদা ইন্দ্রনা, লাইয়ামনা মমায় ওন্দুনা চেনখিবতু উবদা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমকপু হন্না হন্না থাগৎখি ॥১৪॥

দেবতাশিংনা হল্লখ্রবা মতম অসিদ, কদোমদগীনো খংহৌদনা আকাশবাণী অমনা ইন্দ্রবু ফাল্লতুনা লুমলবা লেমলবা খোন্থাংদা লাউরকই ॥১৫॥ দেবরাজ ইন্দ্র! নহাক্কী চায়থোইরবা লিলগী নিংথৌ তক্ষক হায়বদো খাণ্ডব চাকপা মতম অসিদা মহাক্তি মফম অসিদা লৈতে, কুরুক্ষেত্রদা মাংজৌননা হান্না অতুম চৎখ্রবনি ॥১৬॥ মথোয়না ফনম্নান্না কন্না শোকনম্নমসু কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীবু জয় তৌবা তদি মঙ্গল্লরোই, মাসিগী মরম হায়গে তাও ॥১৭॥ নথোয়না খেংনখিবা মীশক অনী অসে, অতুক্তৈগী অহানবা যুগ অমদা স্বর্গদা নর-নারায়ণ অসুম হায়তুনা দেবতা অনী ওইনা লৈরম্বনি। 'অসুম' অতুনা মথোয় অনীদা লৈখিবা মপাঙ্গল মথৌমা অসে খজিক্তং য়েংবদা মনাম অদুম খংবিরিবা অদুমপ্রায় ॥১৮॥ ভুইরবা অথোইবা কুমি অনী অসে যুগ কয়াগী কনাগুম্বা জীব অমতনা জয় তৌবা ঙমদতুনা লাকতবা লাকওমদনা ভাল্লকবনি। অদুনা অনী অসিবু

পূজনীয়তমাবেক্ষ্যাবধি সর্বৈঃ সুরাসুরৈঃ। যক্ষরাক্ষসগন্ধর্বনরকিন্নরপন্নগৈঃ ॥২০॥
তস্মাদিতঃ সুরৈঃ সার্দ্ধং গন্তুমর্হসি বাসব!। দিষ্টঃ চাপ্যনুপশ্যৈতৎ খাণ্ডবস্য বিনাশনম্ ॥২১॥
ইতি বাক্যমুপশ্রুত্য তথ্যমিত্যমরেশ্বরঃ। ক্রোধামর্ষৌ সমুৎসৃজ্য সম্প্রতস্থে দিবং তদা ॥২২॥
তং প্রস্থিতং মহাত্মানং সমবেক্ষ্য দিবৌকসঃ। সহিতাঃ সেনয়া রাজন্নন্বযুঃ পুরন্দরম্ ॥২৩॥
দেবরাজং তদা যান্তং সহ দেবৈরবেক্ষ্য তু। বাসুদেবার্জ্জুনৌ বীরৌ সিংহনাদং বিনেদতুঃ ॥২৪॥
দেবরাজে গতে রাজন্! প্রহৃষ্টৌ কেশবার্জ্জুনৌ। নির্বিশঙ্কং বনং বীরৌ দাহয়ামাসতুস্তদা ॥২৫॥
স মারুত ইবাভ্রাণি নাশয়িত্বার্জ্জুনঃ সুরান্। ব্যধমচ্ছরসংঘাতৈর্দেহিনঃ খাণ্ডবালয়ান্ ॥২৬॥
ন চ স্ম কিঞ্চিচ্ছক্নোতি ভূতং নিশ্চরিতুং ততঃ। সংছিদ্যমানমিষুভিরস্যতা সব্যসাচিনা ॥২৭॥
নাশক্নুবংশ্চ ভূতানি মহান্ত্যপি রণেঽর্জ্জুনম্। নিরীক্ষিতুমমোঘাস্ত্রং যোদ্ধুং চাপি কুতো রণে ॥২৮॥
শতঞ্চৈকেন বিব্যাধ শতেনৈকং পতত্রিণাম্। ব্যসবস্তেঽপতন্নগ্নৌ সাক্ষাৎ কালহতা ইব ॥২৯॥

মরোল অদুমগী মনুংদা কনাগুম্বা অমতনা জয় তৌবা ভুমলরোইদবনি ॥১৯॥ অদোইবা ঋষি ওইবনা দেব দানব যক্ষ রক্ষ গন্ধর্ব্ব কিন্নর অমসুং অচৌ অচৌবা লিল পুম্নমক্কী মফমদা পূজা তৌনিংঙাই ওইদুনা লাক্লবনি ।২০।

মরম অদুনা দেবরাজ! দেবতা পুম্নমক্কা লোয়ননদুনা- মফম অসিদগী থুনা য়াংনা চৎখিবনা ফগনি। অদুগা মাসিমসু থনবিয়ু— থোক্লিবা খাণ্ডবন মৈচাকপা অসি লাইনা তমথরবা থৌদোক অমনি ॥২১। দেবরাজন', দেববাণী অসি তান্দা—উম চুম্মি, অসুম হায়না খন্দুনা অশাওবা অমসুং তপথদবা, থাংহৈদবা পুম্নমক থাদোক্লুনা মতম অদুমক্তদা অমরাবতী তাম্না চৎখি ॥২২॥ মতম অদুদা অতোপ্প অতোপ্পা দেবতা পুম্নমকসু ইন্দ্রনা চৎখিবদু উবদা লোইনা ইন্দ্রগী মতুং ইন্নখি ॥২৩॥

অসোমদা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীসু দেবতা পুম্নমক্কা লোয়ননা ইন্দ্রনা মায় ওনখিবদু উবদা হরাউনা সিংহনাদ লাওখি ॥ ২৪ ॥ মহারাজ! দেবরাজনা চৎথ্রবা অদুদা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমকসু য়াম্না নুংঙাইখিদুনা নীংঙায়বা লৈতনা খাণ্ডব বনবু মনীংমথা তমনা চাকহনখি ॥২৫॥ নুংশিৎনা নোং মপৈ মপৈবু হাইদোকখিবা অদুগুমনা অর্জ্জুননা দেবতা পুম্নমকপু হাইদোকহনখিদুনা থৌরথৌরবা তেম্না, ওাকপিনবা লৈত্রবা খাণ্ডব বাসীশিংবু তুমনা হাৎখি ॥২৬॥ অতৎ অথম লৈতনা থুৎলৈথুনা কাপলবা অর্জ্জুনগী তেম্না কাপলকপা অদুদা কনাগুম্বা জীব অমত্তা অর্জ্জুনগী মফমদগী লাক্থোকপা ঙমখিদ্রে ॥ ২৭ ॥

অচৌ অচৌবা জীব কয়াসু লানফম অদুদা অয়াং অত্তা লৈত্রবা থুৎলাইনা মহাক্লী ওইবা অর্জ্জুনবু য়েংবা ঙমলোইদ্রে, অদুনা মখোয়শিংনা খুৎলাইনা থারবা, লোক্লবদি কাইরা ঙমগনি ॥২৮॥ অর্জ্জুননা তেন অমত্তনা উচেক মচা মচা চায় চায়বু অদুগা তেন অচৌ অচৌবা শিং অমুবু কাপদুনা ককথি মরম অদুদা মখোয়না কপ্পগী অদুগী মতৌ অমনা মখোয় য়াওবা জীবশিংদু মীহোনা লৈত্রবা অসি ॥২৯॥

ন চালভন্ত তে শর্ম্ম রোধঃসু বিষমেষু চ। পিতৃদেবনিবাসেষু সন্তাপশ্চাপ্যজায়ত ॥ ৩০ ॥
ভূতসংঘাশ্চ বহবো দীনাশ্চক্রুর্মহাস্বনম্। রুরুদুর্ব্বারণাশ্চৈব তথা মৃগতরক্ষবঃ ॥৩১॥
তেন শব্দেন বিত্রেসুর্গঙ্গোদধিচরা ঝষাঃ। বিদ্যাধরগণাশ্চৈব যে চ তত্র বনৌকসঃ ॥৩২॥
ন ত্বর্জ্জুনং মহাবাহো! নাপি কৃষ্ণং জনার্দ্দনম্। নিরীক্ষিতুং বৈ শক্নোতি কশ্চিদ্যোদ্ধুং কুতঃ পুনঃ ॥৩৩॥
একায়নগতা যেঽপি নিষ্পেতুস্তত্র কেচন। রাক্ষসা দানবা নাগা জঘ্নে চক্রেণ তান্ হরিঃ ॥৩৪॥
তে তু ভিন্নশিরোদেহাশ্চক্রবেগাদ্গতাসবঃ পেতুরন্যে মহাকায়াঃ প্রদীপ্তে বসুরেতসি ॥৩৫॥
স মাংসরুধিরৌঘৈশ্চ বসাভিশ্চাপি তর্পিতঃ। উপর্য্যাকাশগো ভূত্বা বিধূমঃ সমপদ্যত ॥৩৬॥
দীপ্তাক্ষো দীপ্তজিহ্বশ্চ সম্প্রদীপ্তমহাননঃ। দীপ্তোর্দ্ধকেশঃ পিঙ্গাক্ষঃ পিবন্ প্রাণভৃতাং বসাম্ ॥৩৭॥
তাং স কৃষ্ণার্জ্জুনকৃতাং সুধাং প্রাপ্য হুতাশনঃ। বভূব মুদিতস্তৃপ্তঃ পরাং নির্বৃতিমাগতঃ ॥৩৮॥
তথাঽসুরং ময়ং নাম তক্ষকস্য নিবেশনাৎ। বিপ্রদ্রবন্তং সহসা দদর্শ মধুসূদনঃ ॥৩৯॥
তমগ্নিঃ প্রার্থয়ামাস দিধক্ষুর্বাতসারথিঃ। শরীরবান্ জটী ভূত্বা নদন্নিব বলাহকঃ ॥৪০॥

মফম অদুদা লৈরম্বা শা উচেক জীবশিং অদো তুরেন মপান অনেম অম্বাংবা মফম মোংফম অমদি লাইশংনচিংবা অচিকপা করিগুম্বা মফম অমতদসু ওায়হাক্তংদা পোথাবা মফম থিবা ফংখিদ্রে, মফম পুম্নমক মখোয়গী মফমদা অশান্তিগী মফম ওইখ্রে ॥৩০॥ জীব পানবা পুম্নমক থমোইশোন্না ঋাবগী তেংথা নাওইনা কপ্পবগী খোঞ্জেনতনা শীনথুংখ্রে, অমসুং চাউর চাউরবা শামু, শজি শঙাই অমদি মপী কায়নরবা কৈ মচা কয়ানা তেংথা নাওইনা খোংলকই কপলকই ॥৩১॥ খোঞ্জেনশিং অসিনা লাপ্পা তাম্না চৎথিম্লনা ঙা পুমনমক অমসুং বিদ্যাধর গন্ধর্ব্ব কয়াগী মিপায়বা তুজুংবা পোকহনথি ॥৩২॥ জীব পানবা কনাসু অর্জ্জুন অমদি কৃষ্ণ রোমদা হঙৎনমক্তা য়েংবা ঙমথিদ্রে, অদুনদি লানখেং-নবদি করম হায়না ঙমগনি ॥৩৩॥ মরক মরক্তা কনা কনাগুম্বা দানব, হিংচাবা, অচৌবা লিলনা খুৎহৌদ্লনা লাকপা শাবদো, কৃষ্ণনা চক্রনা মখোয়বু খুদক্তা ককথি ॥৩৪॥ মশা মউ ফরবা অতোপ অতোপ্পা জীব কয়া কয়াগী কৃষ্ণগী চক্রনা থাবদা মকোক য়াওদ্রবা ঈহং নাইহং শারবা হকচাংশিং অদুনা থম্বাই য়াওরবা শহম অমমম ওইনা মরোন মরোন মৈসুংদা তারকই ॥৩৫॥ অগ্নি দেবসু অদুক য়াম্বা জীবশিং অদুগী মতোং মহাউ ঈনাচিংবা অদু থক্তুনা অমসুং ঈ তৈরবা শদ্রমশিং অদু চাদুনা য়াম্না পোন্নদুনা নোংমদোন খেৎনা মৈরী হায়গৎলক্তুনা মৈখু চেন্দ্রবা, মমিৎ ইরং লংনা পাংলবা, মরৈ ওঙাং হুঙাংলবা, মাইথোং তরং তরংবা, মশম মমা ইরং লংবা মমিৎনা পিজলা পুংবগী শকফম পুখ্রে ॥৩৬—৩৭॥

অগ্নিনা, কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমক্না কৎশিন্নকপ্পী অমদি পিজন্নকপা শঙম মশৈগী মশক ওইরবা অমুতসি কংদুনা খোইদোকনা পেনখি অমসুং হকচাংগী হুংঙাইতবা পুম্নমক থুনক্তা কোরখি ॥ ৩৮ ॥ অসিগুম্বা মতম অসিমক্তদা ময় কৌব অসুর অমনা তক্ষকগী-য়মুমদা থুগ্রুনা লৈরম্মগী কম্না হেক চেনখোরকপা তাঙ্জা অদুমক্তদা কৃষ্ণনা উরে ॥৩৯॥ অসোমদা হুংশিংনা সারথী ওইরবা মৈসু মাখু চাকখেক্কে হায়দুনা সুপক মথং নাইনা জটা পুদুনা ওংলবা নোংগী মতৌগুম্বা মহাকপু চাকচগে হায়রনা কৃষ্ণগী মফমদা হায়জখি ॥৪০॥

জিঘাংসুর্ব্বাসুদেবস্তং চক্রমুদ্যম্য বিষ্ঠিতঃ। স চক্রমুদ্যতং দৃষ্ট্বা দিধক্ষন্তঞ্চ পাবকম্ ॥৪১॥
অভিধাবার্জ্জুনেত্যেবং ময়স্ত্রাহীতি চাব্রবীৎ। তস্য ভীতস্বনং শ্রুত্বা মা ভৈরিতি ধনঞ্জয়ঃ ॥৪২॥
প্রত্যুবাচ ময়ং পার্থো জীবয়ন্নিব ভারত। তং ন ভেত্তব্যমিত্যাহ ময়ং পার্থো দয়াপরঃ ॥৪৩॥
তং পার্থেনাভয়ে দত্তে নমুচের্ভ্রাতরং ময়ম্। ন হন্তুমৈচ্ছদ্দাশার্হঃ পাবকঃ ন দদাহ চ ॥ ৪৪ ॥
তদ্বনং পাবকো ধীমান্ দিনানি দশ পঞ্চ চ। দদাহ কৃষ্ণপার্থাভ্যাং রক্ষিতঃ পাকশাসনাৎ ॥৪৫॥
তস্মিন্ বনে দহ্যমানে ষড়গ্নির্ন দদাহ চ। অশ্বসেনং ময়ঞ্চৈব চতুরঃ শার্ঙ্গকাংস্তথা ॥৪৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি ময়দর্শনে ময়দানবত্রাণে একবিংশত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০):—

মতম অদুদা কৃষ্ণনা মহাকপু কক্কে হায়রগনা চক্র থাঙ্গত্তুনা চীংহুনা লেপতুনা লৈখি মতম অসিদা কৃষ্ণনা চক্র থাঙ্গৎলকপা অমসুং মৈনা চাক্কে হোৎনরকপা অদু উবদা অর্জ্জুন লোমদা ওনশিন্দুনা হায়জরকই—অর্জ্জুন অসোমদা থুনা অমুক্তা লাকপিয়ু ঐবু অমুক্তা কনবিয়ু। তেংথা নাওইবা অকপ্পগী খোঞ্জেল অসি তাবদা অর্জ্জুননা হায়রকই— কিগনু ঐ লৈ। হ্রাসি তাবদা ময়দানবগী থমোইদা শিকরগা অমুক ছিংলকপগী নুংঙাইবা অদু পোকখি। মতম অদুদা মীনুংশি থংবগী মথাপোনখিদুনা মনাক্তা চংশিন্দুনা হায়বিরকই— নং কিগনুকো ॥৪১—৪৩॥ অর্জ্জুননা মাঙোন্দা অভয় কৌবা দান তৌরিবা মতমদা নমুচীগা পোকমিন্নবা ময়দানববু কৃষ্ণনসু মহাকপু হাৎকে হায়বগী হ্রাখল অদু থাদোকখি, মরম অদুনা মৈনসু মহাকপু চাকখিদ্রে ॥৪৪॥ মতৌ অমুন্না কৃষ্ণ অমদি অর্জ্জুননা ইন্দ্রগী মথুক্তগী ঙাকহৌদুনা থমহৌরবা বন অদুবু মৈনা নুমিৎ তরামঙানি চুপা চাকখি ॥৪৫॥ খাণ্ডব বন মৈ চাকপা মতম অসিদা মৈনা, তক্ষকগী মচা অশ্বসেন, ময়দানব অমুগা থংত্রাংচাক উচেক মরি জীব তরুক অসিদংদি ছিংহৌরি মৈনা চাকপদা যাওখিদে ॥৪৬॥ (*)

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা ময়দানবর্শনগী মনুংদা ময়দানব কনবগী চনিগা কুনমাথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

টীকাঃ— শার্ঙ্গ কৌবা উচেক অসি কোয অতৈ অতৈদা লেংবদা ঙামু, খজো', চক্রবাক, নোংগোবী, কনা কনাগুম্বা কবিশিংগী মতদা শজি জাৎ অমনি হায়নবসু উবা ফংই। মূল অসিগী সংস্কৃত টীকা পীরিবা নীলকণ্ঠনা খঞ্জন পক্ষী হায়না হন্নি। ঐখোয়গী মাতৃ ভাষাদদি অহল লম্যন পরম্পরাদগী থংত্রাংচাক হায়না অর্থ তৌনরকই। অমুমনা অর্থ লৌখিবগী মরমদি খঞ্জন হায়বা শব্দ অসিগী অর্থদি ম্নামনা লেংওংপা, মরুখিংবা, চোংবা ফনবা, হায়বনি। অদুনা থংত্রাংচাক্তি হায়না খল্লি। করি করিগুম্বা মরমদা শার্ঙ্গঃ মৃগবিশেষঃ, শার্ঙ্গঃ পক্ষিবিশেষঃ অমুম হায়না ইবা উই।

শ্রীমহাভারতম্

(শার্ঙ্গকগী ৱারি)

(চপী কুলনিথোই শুবা অধ্যায়)

—:(•):—

জনমেজয় উবাচ।

কিমর্থং শার্ঙ্গকানগ্নির্ন দদাহ তথা গতে। তস্মিন্ বনে দহ্যমানে ব্রহ্মন্নেতৎ প্রচক্ষ্ব মে ॥১॥
অদাহে হ্যশ্বসেনস্য দানবস্য ময়স্য চ। কারণং কীর্ত্তিতং ব্রহ্মন্! শার্ঙ্গকাণাং ন কীর্ত্তিতম্ ॥২॥
তদেতদদ্ভুতং ব্রহ্মন্! শার্ঙ্গকাণামনাময়ম্। কীর্ত্তয়স্বাগ্নিসম্মর্দ্দে কথং তে ন বিনাশিতাঃ ॥৩॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

যদর্থং শার্ঙ্গকানগ্নির্ন দদাহ তথাগতে। তত্তে সর্ব্বং প্রবক্ষ্যামি যথাভূতমরিন্দম! ॥৪॥
ধর্ম্মজ্ঞানাং মুখ্যতমস্তপস্বী সংশিতব্রতঃ। আসীন্মহর্ষিঃ শ্রুতবান্ মন্দপাল ইতি শ্রুতঃ ॥৫॥
স মার্গমাশ্রিতো রাজন্ৃষীণামূর্দ্ধরেতসাম্। স্বাধ্যায়বান্ ধর্ম্মরতস্তপস্বী বিজিতেন্দ্রিয়ঃ ॥৬॥
স গত্বা তপসঃ পারং দেহমুৎসৃজ্য ভারত!। জগাম পিতৃলোকায় ন লেভে তত্র তৎফলম্ ॥৭॥
স লোকানফলান্ দৃষ্ট্বা তপসা নির্জ্জিতানপি। পপ্রচ্ছ ধর্ম্মরাজস্য সমীপস্থান্ দিবৌকসঃ ॥৮॥

জনমেজয়না হায়— ব্রাহ্মণ! খাণ্ডব বন চাকপা মতম্ অদুদা লৈব জীব পুম্নমক্না তুমনা চাকখ্রবদ শার্ঙ্গক হায়বা উচেক খর অসিদি করিগীদমক চাকখিদ্রিবনো? মাঙ্গ ব্রাহ্মণনা ঐভোন্দা শন্দোকনা লীবিয়ু ॥১॥ অশ্বসেনগা ময়দানবকা অনী চাকপা য়াওখিদবগী মরমদি হায়রিরে, অদুগা হায়রিবা উচেক শিং অসি চাকখিদবগী মরমদি তাকপিদ্রি ॥২॥ অদুগা ব্রাহ্মণ! অঙ্গক য়াম্বা জীব পুম্নমক্না অদুক ৱারবা মতমদা শার্ঙ্গক হায়বা উচেকশিং অসিনা অৱা অনা লৈতনা লৈহৌই হায়বসি অঙকপা অমনি অরম অদুনা মৈ চাক্লকপা মতম অসিদা উচেকশিং অদুনা চাকহৌদবগী মরম করিনো? মাদু হায়রিবিয়ু ॥৩॥ বৈশম্পায়ন হায়— মহারাজ! করম্বা অবস্থাদা লৈহৌবনা শার্ঙ্গক কৌবা উচেকশিং অসিনা চাকপ য়াওখিদবা পুম্নমক অসি থাজেংনা মহারাজগী মফমদা লীগে ॥৪॥ ধর্ম্ম থংবশিংগী মখুংদা অথোইবা তপস্যা ব্রত কনবা শাস্ত্র জ্ঞান য়াম্না লৈবা মন্দপাল হায়না কৌবা নিংথৌ অমা পাম্লম্মি ॥৫॥ বেদ পাঠ তৌবদা মথৌ ওইরবা ধর্ম্মদা পুক্নিং চংলবা লাইনীং চেৎলবা অমসুং ইন্দ্রিয় খুদম চম্লবা মন্দপাল হায় রিবা অসি বীর্য্যনা থক্না কাখরবা ঋষিশিংগী লমচৎ শাজৎ অদুগী মতুংইন্না পুনসি লেনবা হৌরম্মি ॥ ৬ ॥

মহারাজ! তপস্যাগী ৱাংমা লানখিদুনা দেহ থাদোক্লবা তুংদা, মন্দপাল হায়বসি পিতৃলোকতা লৈরগে হায়দনা চৎখি, অদুবু মফম অদুদগী মানা নিংবদো থুংখিদে ॥৭॥ তপস্যাগী শক্তিনা পিতৃ লোক হায়বসি ফংবা য়াম্না লৈরবসু মদু ফংদবদা মন্দপালনা ধর্ম্মরাজগী মনাক্তা লৈরিবা দেবতাশিংগী

মন্দপাল উবাচ।

কিমর্থমাবৃতা লোকা মমৈতে তপসার্জিতাঃ। কিং ময়া ন কৃতং তত্র যস্যৈতৎ কর্ম্মণঃ ফলম্ ॥৯॥

তত্রাহং তৎ করিষ্যামি যদর্থমিদমাবৃতম্। ফলমেতস্য তপসঃ কথয়ধ্বং দিবৌকসঃ ! ॥১০॥

দেবা ঊচুঃ।

ঋণিনো মানবা ব্রহ্মন্! জায়ন্তে যেন তচ্ছৃণু। ক্রিয়াভির্ব্রহ্মচর্য্যেণ প্রজয়া চ ন সংশয়ঃ ॥১১॥

তদপাক্রিয়তে সর্ব্বং যজ্ঞেন তপসা স্তুতৈঃ। তপস্বী যজ্ঞকৃচ্চাসি ন চ তে বিদ্যতে প্রজা ॥১২॥

ত ইমে প্রসবস্যার্থে তব লোকাঃ সমাবৃতাঃ। প্রজায়স্ব ততো লোকানুপভোক্ষ্যসি পুষ্কলান্ ॥১৩॥

পুন্নাম্নো নরকাৎ পুত্রস্ত্রায়তে পিতরং শ্রুতিঃ। তস্মাদপত্যসন্তানে যতস্ব ব্রহ্মসত্তম ! ॥১৪॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তচ্ছ্রুত্বা মন্দপালস্তু বচস্তেষাং দিবৌকসাম্। ক নু শীঘ্রমপত্যং স্যাদ্বহুলঞ্চেত্যচিন্তয়ৎ ॥১৫॥

স চিন্তয়ন্নভ্যগচ্ছৎ সুবহুপ্রসবান্ খগান্। শার্ঙ্গিকাং শার্ঙ্গকো ভূত্বা জরিতাং সমুপেয়িবান্ ॥১৬॥

তস্যাং পুত্রানজনয়চ্চতুরো ব্রহ্মবাদিনঃ। তানপাস্য স তত্রৈব জগাম লপিতাং প্রতি ॥১৭॥

বালান্ সুতানণ্ডগতান্ সহ মাত্রা মুনির্ব্বনে। তস্মিন্ গতে মহাভাগে লপিতাং প্রতি ভারত ! ॥১৮॥

মফমদা হংখি ॥৮॥ মন্দপালনা হায়রকই— লাইয়াম পূম্নমক! ঐনা তপস্যা তৌদ্‌না পিতৃলোকপু জয় তৌজরে, অদুবু ঐনা লাকপদা পিতৃলোকগী থোংথিংদ্‌না থমথিবসি করিননো ? ঐনা মর্ত্ত্যলোক তদি করিগুম্বা থবক অমতা তৌথিদে অদুগী মহৈরা ? ॥৯॥ মর্ত্ত্যলোকতা ঐনা তৌফম থোকপ থবক অদু তৌদবনা পিতৃলোকগী থোং অসি থিংখ্রবনি। লাইয়াম পূম্নমক ঐগী তপস্যাগী মহৈদি করি ওইগদৌরিবা, তাকপিয়ু ॥১০॥ দেবতাশিংনা হায়রকই— ব্রাহ্মণ! মীওইবশিংনা মর্ত্ত্যলোক অসিদ করম করম্বা লমন তোন্দুনা পোকলবগে হারবদু হাঙগে তাবিয়ু হেক পোকপদগী মীওইবগী লম্নন অহুম লৈ— যজ্ঞ, তপস্যা, সন্তান অহুম অসিনি, মাসিদা করিমতা চিংনরুগনু ॥১১॥ হায়রিবা লম্নন অহুম অসি যজ্ঞনা তপস্যানা অমম্পুং মচা পোক্রবনা অদম মথং মথং শিংনরিবনি। অদুনা ব্রাহ্মণ নহাকনা তপস্যাসু তৌরে যজ্ঞসু মথল মথল তৌবিরে, অদুদা ব্রাহ্মণগীদি নচা পোকথিদে॥ ১২॥

মরম অসিদগী, ব্রাহ্মণ মহাক্কী নচা পোকখিদবনা, পিতৃলোক্কী থোং অদু নহাক্কী দমক্ত হাংখিদবনি। অদুনা ব্রাহ্মণ নচা ফংনবা হোৎনবিকখো, অদুগী তুংদা নীংব থুংনা পিতৃলোক্কী খুংঙাইবদু ফংবিক ॥১৩॥ শ্রুতিদসু "মচানা মপাবু পুৎ কৌবা নরকতগী কল্লি" অমুম হায়না হৈরি। মরম অদুনা ব্রাহ্মণ! নরকুগী কন্নবা নচা য়াম্না পোক্লনবা হোৎনরু ॥১৪॥ বৈশম্পায়ননা হায়— মন্দপাল কৌবা মুনিনা দেবতাশিংগী ৱা তাবদা "করম্বী মুপীগী গর্ভদা ঐনা ইচা ময়াম পোকলুগদৌরিবনো ?" অমুম হায়না চিন্তা তৌখি ॥১৫॥ অমুম হায়না চিন্তা তৌরা তৌরদুনা মচা য়াম্না পোক্লনবী উচেকশিংগী মফমদা চংখি, মফম অদুদা মুনি অসিনা শার্ঙ্গক উচেক লাবগী মশক লৌদুনা জরিতা কৌবী শার্ঙ্গক উচেক অমোম অমগা তিন্নরে॥১৬॥ উচেক অসিগী গর্ভদা বেদ হৈরবা মচা মরি পোকখি। অসিগী তুংদা মন্দপাল মুনিনা, জরিতাগী গর্ভদগী পোকপা মরুমদা লৈহৌরিবা মচা মরি অমসুং

অপত্যস্নেহসংযুক্তা জরিতা বহুচিন্তয়ৎ। তেন ত্যক্তানসংজাতানার্যীন্দ্রগতান্ বনে ॥১৯॥
ন জহৌ পুত্রশোকার্ত্তা জরিতা খাণ্ডবে সুতান্। বভার চৈতান্ সঞ্জাতান্ স্ববৃত্ত্যা স্নেহবিক্লবা ॥২০॥
ততোঽগ্নিং খাণ্ডবং দগ্ধুমায়ান্তং দৃষ্টবানৃষিঃ। মন্দপালশ্চরংস্তস্মিন্ বনে লপিতয়া সহ ॥২১॥
তং সঙ্কল্পং বিদিত্বাস্যে জ্ঞাত্বা পুত্রাংশ্চ বালকান্। সোঽভিতুষ্টাব বিপ্রর্ষির্ব্রাহ্মণো জাতবেদসম্ ॥২২॥
পুত্রান্ প্রতি বদন্ ভীতো লোকপালং মহৌজসম্।

মন্দপাল উবাচ।

ত্বমগ্নে! সর্ব্বলোকানাং মুখং ত্বমসি হব্যবাট্ ॥২৩॥
ত্বমন্তঃ সর্ব্বভূতানাং গূঢ়শ্চরসি পাবক!। ত্বামেকমাহুঃ কবয়স্ত্বামাহুস্ত্রিবিধং পুনঃ ॥২৪॥

জরিতাবু থাদোক্লমদ্না, খাণ্ডব বনদ, লৈবী লপিতা কৌবী শার্ঙ্গক উচেক অমোমদা অদুক উনদ্না শান্নকই। লপিতাগী মায়কৈ রোমদা মন্দপাল মুনিনা চৎখিবা মতমদা, মচা মুংশিজরবী জরিতানা হন্না হন্না অসুম হায়না চিন্তা তৌদুনা লৈহৌই "মরূমগী মচুংসিদা মুনিগী মচা থর লৈরি, মুনিদুনদি মখোয়বু থাদোক্কুনা চৎখ্রে, অদুবু ঐদি মখোয়সিবু থাদোকপা ঙম্মোই।" অসুম হায়না মচাগী দমক থারবী জরিতাত্তনা, মচাশিং অদুবু থাদোকখিদে, মচা মুংশিবনা তৌফম চাকম থংদদুনা, মানা ঙন্না উপায়না য়োক থাক্কুনা থমখি ॥১৭—২০॥ অগ্নিগী তুংদা, অসোমদা মন্দপাল মুনিনা খাণ্ডব বনগী মনুংদা লপিতাগা লোয়ননা কোয়চৎ চত্তুনা লৈরিঙেদা খাণ্ডব বন অদু চাক্নে হায়দুনা মৈনা লাকখি ॥২১॥ মতম অদুদা বিপ্রর্ষি ওইরবা মন্দপালনা মৈগী থাথল অমম্মং নীংলিবা অদু খংলদুনা, মচাশিং অদু পীক্রি হায়না খন্দুনা, মুংশিবনা মখোয় শিরগত্রা হায়না কিদুনা তেজ কল্লবা অগ্নি দেববু লোক অসিগী ঙাকপা য়াওরিবা অমনি হায়না খন্দুনা থব্বাই হকচাং অমত্তা ওইনা স্তুতি তৌখি। মন্দপাল মুনিনা অসুম হায়না হায়জখি—

মৈ কৌব অথোইব লাই। লাইয়াম খিবিক্কী মচীন্দি,
মৈ নহাক্ক ওইবনি। যজ্ঞ কুণ্ডগী মনুংদা,
হোম তৌগদবা মথৈবু, নহাক্ক পুহনা ওক্কুন',
লৈরিবনি অগ্নি দেব। ॥২২—২৩॥
মৈ কৌবা অথোইবা লাই। জীব পানবশিংগী থমোইমনুংদা,
অতৎ অথম লৈত্তনা, নংনা কোইচৎ চৎলিদো।
জ্ঞান লৈবা মীশিংনা, অমতনি হায়নৈদো,
জ্ঞান লৈবা থরনা, অহুম থোকই হায়নৈদো ॥২৪॥ *

টীকা:— অমত্তা ওইবা ব্রহ্মাণ্ডগী থোকপা জীবগী মথক ওইবনা লৈ হায়বসি অমত্ত ওইহনা হকচাংগী মথম পুমনমক্তা য়ামনা পুপনা শিথুলা কোইচৎ চৎতুনা লৈ। অহুবু যজ্ঞদা দক্ষিণাগ্নি হায়বা অমা, গার্হপত্য হায়বা অমা, আহবনীয় হায়বা অমা অহুম থোক্না লৈ। যজ্ঞকুণ্ড অসি কর্ম্মকাণ্ডনিয়ম মতুংইন্না মথল নিপাজনি হায়নৈ। অহুনা কুণ্ড-কুণ্ডদা থাগৎলুরিবা মৈ অহু তোংঙাল তোংঙালদনি থনবা কনাগুম্বা কর্মকাণ্ডীশিংগী মতম্দা মথল নিপাজনি।

ত্বামষ্টধা কল্পয়িত্বা যজ্ঞবাহমকল্পয়ন্। ত্বয়া বিশ্বমিদং সৃষ্টং বদন্তি পরমর্ষয়ঃ ॥২৫॥
ত্বদৃতে হি জগৎ কৃৎস্নং সদ্যো নশ্যেদ্ধুতাশন। তুভ্যং কৃত্বা নমো বিপ্রাঃ স্বকর্ম্মবিজিতাং গতিম্ ॥২৬॥
গচ্ছন্তি সহ পত্নীভিঃ সুতৈরপি চ শাশ্বতীম্। ত্বামগ্নে! জলদানাহুঃ খে বিষক্তান্ সবিদ্যুতঃ ॥২৭॥
দহন্তি সর্ব্বভূতানি ত্বত্তো নিষ্ক্রম্য হেতয়ঃ। জাতবেদস্ত্বয়ৈবেদং বিশ্বং সৃষ্টং মহাদ্যুতে ॥ ২৮ ॥
তবৈব কর্ম্ম বিহিতং ভূতং সর্ব্বং চরাচরম্। ত্বয়াপঃ বিহিতাঃ পূর্ব্বং ত্বয়ি সর্ব্বমিদং জগৎ ॥২৯॥
ত্বয়ি হব্যঞ্চ কব্যঞ্চ যথাবৎ সম্প্রতিষ্ঠিতম্। ত্বমেব দহনো দেব! ত্বং ধাতা ত্বং বৃহস্পতিঃ ॥৩০॥
ত্বমশ্বিনৌ যমো মিত্রঃ সোমস্ত্বমসি চানিলঃ।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবং স্তুতস্তদা তেন মন্দপালেন পাবকঃ ॥৩১॥

মহৰ্ষি মথৈনা নহাকপু, মথল নিপালনি খংনৈদে,
মথল নিপাল অদুনা, যজ্ঞবু মপুং ফানৈদো.
লেংডি পাল্লিবা পুম্বসে, নংনা শেম্বনি হায়নৈদো ॥২৫॥
মৈ নংনা লৈত্ৰবদা, মিকুপ অমগী মনুংদা,
জগৎ পুম্বা তুম্বনি। ব্ৰাহ্মণশিংনা নহাকপু,
মুপী অভাংগা লোয়ননা, তৌবা থবক খিবিক্তা,
নহাকপু হায়া থুরমনৈ, লেংত্ৰবা খুভম ফংনৈদো।
মহৰ্ষি খরনা নহাকপূ, নোংমদোন থক্তা লৈরিবা
নোংথাংবু থন্না পুরিবা, নোংগী মপেনি হাযনৈদো ॥২৬—২৭॥
মৈ কৌবা অথোইবা লাই! নংভোন্দগী থোকপা মৈরিনা,
পোৎ পুম্নমক চাকথেকই, জগৎ পুম্বা নংনা শেম্মি ॥২৮॥
মৈ কৌবা অথোইবা লাই!
অচৎ চত্ত লৈরিবা, তাইবং খুৎশেম অসিদা,
জীব পানবা পুম্বসে, নংনা শেম্বা মক্তনি,
নংনা নশা মক্তদা, তাইবং শেমথৈ মতমদা,
ঈশিংবু নংনা পুথোকখি, ঈশিংদগী লৈপাক পোকপনা,
জগৎসি নংভোন্দা লৈরেদো ॥২৯॥
অতুগা অমুক হায়জগে, নিয়ম কায়দনা নংভোন্দা
হব্য কব্য অনীমক (*) তত্তনা তুংত্তনা লৈবনি।
বিধাতাসু নহাক্তি, বৃহস্পতিসু নহাক্তি ॥৩০॥
অশ্বিনী কুমার অনীমক, নংতমা ওইবনি।
যমসু নহাক্তি মিত্ৰসু নহাক্তি, চন্দ্ৰসু নংনা ওইবনি

তুতোষ তত্র নৃপতে! মুনেরমিততেজসঃ। উবাচ চৈনং প্রীতাত্মা কিমিষ্টং করবাণি তে ॥৩২॥
তমব্রবীন্মন্দপালঃ প্রাঞ্জলির্হব্যবাহনম্। প্রদহন্ খাণ্ডবং দাবং মম পুত্রান্ বিসর্জ্জয় ॥৩৩॥
তথেতি তৎ প্রতিশ্রুত্য ভগবান্ হব্যবাহন। খাণ্ডবে তেন কালেন প্রজজ্বাল দিধক্ষয়া ॥৩৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি ময়দর্শনে শার্ঙ্গকোপখ্যানে দ্বাবিংশত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:(০):—

সুংশিত্তগীদি পোকয়ি হায়বত্ত সুংশিৎ হায়বর নহাক্লি।

বৈশম্পায়ননা হায়— মতৌ অসুম্না মন্দপাল কৌবা মুনিনা, অগ্নি দেবগী স্তুতি ময়াম অসি থীরবদা চাংদমনীংঙায় লৈত্রবা তেজনা মহাক্কী ওইরবা মৈ কৌবা লাইনা হায়রকই— মহর্ষি নংগী করি অপাম্বা লৈবগে, ঐ তৌরমগে ॥৩১—৩২॥ মতম অদুদা থুৎ অনী লোম্নরহনা মন্দপাল মুনিনা মৈগী মকমদা হায়জথি— হে অখোইবা লাই! 'নহাক্লা খাণ্ডব বন অসিবুদি লোইনা চাক্লগনি, অদুবু ঐগী ইচাশিং অসিদদি কনবিয়ু ॥৩৩। "ফরে অদু মঙাযরে" অসুম হায়না হ্বাশরুম্নগা অতোপ অতোপ্পা জীবশিংবু চাক্কে হায়বগী দমক খাণ্ডব বনগী মসুংদা মৈরী ফংনা চাক্কুনা চাক্কুনা চৎথি ॥৩৪॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোক লিশিং চামনা, শ্রীব্যাসনা শেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা ময়দর্শনগী মতাংদা শার্ঙ্গকোপখ্যানগী চনীগা কুলনিথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

- (*,=

শ্রীমহাভারতম্

(জরিতানা তেংথাবা)

(চপি কুমহুমদোই শুবা অধ্যায়)

—:(*):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততঃ প্রজ্বলিতে বহ্নৌ শার্ঙ্গকাস্তে সুদুঃখিতাঃ। ব্যথিতাঃ পরমোদ্বিগ্না নাধিজগ্মুঃ পরায়ণম্ ॥১॥
নিশম্য পুত্রকান্ বালান্ মাতা তেষাং তপস্বিনী। জরিতা দুঃখশোকার্ত্তা বিললাপ সুদুঃখিতা ॥২॥

জরিতোবাচ।

অয়মগ্নির্দহন্ কক্ষমিত আয়াতি ভীষণঃ। জগৎ সন্দীপয়ন্ ভীমো মম দুঃখবিবর্দ্ধনঃ ॥৩॥
ইমে চ মাং কর্ষয়ন্তি শিশবো মন্দচেতসঃ। অবর্হাশ্চরণৈর্হীনাঃ পূর্ব্বেষাং নঃ পরায়ণাঃ ॥৪॥
ত্রাসয়ংশ্চায়মায়াতি লেলিহানো মহীরুহান্। অজাতপক্ষাশ্চ সুতা ন শক্তাঃ সরণে মম ॥৫॥
আদায় চ ন শক্নোমি পুত্রাংস্তরিতুমাত্মনা। ন চ ত্যক্তুমহং শক্তা হৃদয়ং দূয়তীব মে ॥৬॥
কং তু জহামহং পুত্রং কমাদায় ব্রজাম্যহম্। কিন্নু মে স্যাৎ কৃতং কৃত্বা মন্যধ্বং পুত্রকাঃ কথম্ ॥৭॥
চিন্তয়ানা বিমোক্ষং বো নাধিগচ্ছামি কিঞ্চন। ছাদয়িষ্যামি বো গাত্রৈঃ করিষ্যে মরণং সহ ॥৮॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি— অদুগী তুংদা মৈনা অস্তুম চাকশিল্লক্লবদুদা শার্ঙ্গক কৌবা উচেক মচাশিং অদু থোইদোক্লনা মিপাইবা অৱাব পোকখি, মখোয়বু কনবিনবা কনাগুম্বা অমতা উবা ফংবা লৈখিদ্রে ॥১॥ মতম অদুদা জরিতা কৌবী মমানা মচা অপিশকশিং অদুগী থল্লূবদা থম্মোইগী অৱাবদু পুথা ঙমদতুনা থম্মোই শোক্লা তেংথা নাওইনা কপখি ॥ ২ ॥ জরিতানা হায়রকই— ঐগী অৱাবা হেন্নবগী মশক ওইরবা, অকিবগী মশক ওইরবা মৈ অসিনা বনগী মায়কৈ পুম্নমক পুমডাল জায় অকংবা বন অসি চাককে হায়দুনা মায়কৈ অসোমদা লাক্লি ॥৩॥ ঐগী ইচা অপিশক শিং অসিদি জ্ঞান তাদ্রিবনি, মমৈ মশা পাদ্রিদ্র, মখোং নীংথিনা থিন্দোরকত্রি, অদুগা মখোয় অসিদি ঐখোয়গী পিতৃলোক অহল লমন চিংশিংগী অমত্তা ওইবা লাম্নবা উপায়নি। মরম অদুনা মখোয় অসিনা ঐগী থমোইবু লাংতক্লহল্লি, চিংশিল্লি ॥৪॥ অকিবগী মশক ফংলবা মৈ অসিনা জীব পানবা পুম্নমককী থমোইদা খিপাইবা পোকহন্দু না উ বা পুম্নমক চাথেক্লত্তুনা অসোমদা শাফু কম্না চংশিল্লক্লি। ইচা অপিশকশিং অসিদি মশা ফাওবা পাদ্রি, মশা মশানা পাইথোকপা অমদি চখোকপা ঙম্মোইদৌরি ॥ ৫ ॥ ঐনসু ইখম্ত ভাগ্নবনা মখোয় পুম্নকসিবু পুক্তুনা বন অসি লাম্থোক্লনা চংখিবত্ত ঙম্মোই; মখোয়বু হন্দোক্লমতুনা চংখিবসু ঙম্মরোই মাসি থল্লবসিদা ঐগী থমোই অসি কায়খ্রে ॥৬॥ অহগা করম্বা ইচাবু থনবা করম্ব ইচাবু পুথিবা, কদ্রি করম তৌরগা কগাদগে হায়ব করিমত্তা থংরেমকো। চচাগা ! মখোয়াদি কৃত্রি তৌরগা কগানি থল্লিরা ॥৭॥ ইত্যাদি অক্লুম থল্লূবদা, অদুগা খুন্দুনা য়েংবদু মৈ অসিনী লাম্থোক্লমবা কবিগুম্বা উপায় অমত্তা

জরিতারৌ কুলং হ্যেতজ্জ্যেষ্ঠত্বেন প্রতিষ্ঠিতম্। সারিসৃক্কঃ প্রজায়েত পিতৄণাং কুলবর্দ্ধনঃ ॥৯॥
স্তম্বমিত্রস্তপঃ কুর্য্যাদ্দ্রোণো ব্রহ্মবিদাং বরঃ। ইত্যেবমুক্‌ত্বা প্রযযৌ পিতা বো নির্ঘৃণঃ পুরা ॥১০॥
কমুৎপাদায় শক্যোহয়ংতর্ত্তুং কষ্টাপদুত্তমা।
কিন্নু কৃত্বা কৃতং কার্য্যং ভবেদিতি চ বিহ্বলা। নাপশ্যৎ স্বধিয়া মোক্ষং স্বসুতানাং জ্বালনাৎ ॥১১॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

এবং ব্রুবাণাং শার্ঙ্গাস্তে প্রত্যূচুরথ মাতরম্। স্নেহমুৎসৃজ্য মাতস্ত্বং পত যত্র ন হব্যবাট্ ॥১২॥
অস্মাস্বিহ বিনষ্টেষু ভবিতারঃ সুতাস্তব। ত্বয়ি মাতর্বিনষ্টায়াং ন নঃ স্যাৎ কুলসন্ততিঃ ॥১৩॥
অবেক্ষ্যৈতদুভয়ং ক্ষেমং স্যাদ্‌যৎ কুলস্য নঃ। তদ্বৈ কর্ত্তুং পরঃ কালো মাতরেষ ভবেত্তব ॥১৪॥
মাং ত্বং সর্ব্ববিনাশায় স্নেহং কার্ষীঃ সুতে পুনঃ। নহীদং কর্ম্মমোঘং স্যাল্লোককামস্য নঃ পিতুঃ ॥১৫॥

জরিতোবাচ।

ইদমাখোর্বিলং ভূমৌ বৃক্ষস্যাস্য সমীপতঃ। তদাবিশধ্বং ত্বরিতা বহ্নেরত্র ন বো ভয়ম্ ॥১৬॥
ততোহহং পাংশুনা ছিদ্রমপিধাস্যামি পুত্রকাঃ। এবং প্রতিকৃতং মন্যে জ্বলতঃ কৃষ্ণবর্ত্মনঃ ॥১৭॥
তত এষ্যাম্যতীতেহগ্নৌ বিহন্তুং পাংশুসঞ্চয়ম্। রোচতামেষ বো বাদো মোক্ষার্থঞ্চ হুতাশনাৎ ॥১৮॥

উব ফংদ্রে। অহনা নখোয় পুন্নমকপু ইশা অসিনা থনজিন কুপশিন্দুনা থমগে; অদুগা ঐখোয় লোইনা অমুকতদা শিমিন্নরসি ॥ ৮ ॥ সুংশিকৈত্রবা, নখোয়বু পোকপা নপা অদুনা—"ইচা অহল জরিতারিগী মথক্তা মহাকনা অহল ওইবনা, বংশ অসি লিংথত্তুনা লৈহৌরিবনি, সারিসৃক্ক কোবা ইচাসিনা শাগে চাওথংনবা তৌহৌরনি; স্তম্বমিত্রনা তপস্যা তৌহৌরগনি, দোণ কৌবা ইচাসিনা জ্ঞানী ওইবা, ব্রহ্মাথংব অমা ওইহৌরনি" অসুম হায়দুনা নখোয়বু থাদোকতুনা চংখ্রবনি ॥ ৯ - ১০ ॥ করম্বা উপায় তৌরগা অঙ্বাবা থুদোংগীবা অসিদগী লান্থোকপা ঙমগদগে অদুগা হৌজিমক তৌগদবা থবক্তা করিনো হায়বহু করিমতা থংব ঙমথিদ্রদুনা, ঋামনখিবনা জ্ঞান তাখিদদুনা, করি উপায় তৌরগা মক্কম অহুদগী থুন-য়াংন চংখিগদগে অহুগা করম্ব ইচাশিংবু লান্থোকহনগদগে হায়বা উপায় অমা খিব থংদ্রে ॥ ১১ ॥ বৈশম্পায়ননা হায়— মমা জরিতাগী ব্বা তাবদা মচাশিং অদুনা মমাদ হায়রকই— ইমা। ঐখোয়বু সুংশিবিব অসি থাদোক্কুনা, মৈ লৈতবা মফম অদুদা লৈবিকরো ॥১২॥ মরম্বদি ঐখোয পুমনমকনা মাংথরবস্থ শিথ্রবস্থ ইমাগীদি ঐখোয়গুম্বা নচা য়াম্না পোকহোবা য়ারি, অহুগা ইমা। ইমা লৈত্রবদি ঐগী শাগেদি মুথহোবা তারে ॥১৩॥ ইমা। মায়কৈ অনী অসি মুন্না য়েংলগা করম তৌরগা ঐখোয়গী বংশগী অফবা মঙ্গল ওইগদগে হায়বতু চপ চানা থম্নবগী অরোয়ব অথোইবা মতম অদু হৌজিক ইমাগী লাক লে ॥১৪॥ নচাশিং ঐখোয় থরসিবু নংশিবনা শাগে মুৎননবা তৌবিম্নু ইমা। স্বর্গ ফংনিংবা ইপাগী মচা পোকনীংবা আশাসে থক থুগাইবিগনু ॥১৫॥ জরিতানা হায়রকই— ইচাশা। উ অসিগী উখাদা উচিগী মথুল অমা লৈবনি। মসিগী মনুংদা থুনা য়াংনা চংশিনখ্রো অদু ওইরবদি মৈনা চাকখিগনি হায়বগী অকিবা লৈত্রে ॥১৬॥

অদুগা নখোয়না চংখ্রবা মতুংদা মথুল মচৌল ঐনা লৈপাক শীদুনা থুমজিনগনি। অদুম তৌরবদি চাকলক্লবা মৈগী মৈশাদগী কনবা লান্থোকপা ঙমগনি হায়না থক্লি ॥১৭॥ মৈ অসিনা

শার্ঙ্গকা ঊচুঃ।

অধর্ষান্ মাংসভূতান্ নঃ ক্রব্যাদাখুর্বিনাশয়েৎ। পশ্যমানা ভয়মিদং প্রবেষ্টুং নাত্র শক্নুমঃ॥১৯॥
কথমগ্নির্ন নো দহ্যেৎ কথমাখুন্ন নাশয়েৎ। কথং ন স্যাৎ পিতা মোঘঃ কথং মাতা ধ্রিয়েত নঃ॥২০॥
বিল আখোর্বিনাশঃ স্যাদগ্নেরাকাশচারিণঃ। অস্মদ্বৈক্লব্যতস্তস্মাৎ শ্রেয়ান্ দাহো ন ভক্ষণম্॥২১॥
গর্হিতং মরণং নঃ স্যাদাখুনা খাদিতে খিলে। শিষ্টাদিষ্টঃ পরিত্যাগঃ শরীরস্য হুতাশনাৎ॥২২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি ময়দর্শনে
জরিতাবিলাপে ত্রয়োবিংশত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ॥০॥

—:০:—

হেন্দোকখ্রবা ফুংদা মখুলগী লৈপাক ময়াম অসি খোত্তোকপা ঐ অমুক লাকমি মৈদগী লাম্বোরুবা হায়রিবা উপায় অসি নখোয়স্ন্ য়াও॥১৮॥ শার্ঙ্গক্‌কৌবা উচেক মচাশিং অদুনা মমাদা হায়রকই— ঐখোয়গীদি ইশাম্ব পাম্ভ্রি ঐখোয়দি হৌজিক শত্রুম ঈ মত্রুম ওইহনা লৈরি, অদুনদি শোয়দনা উচিনা ঐখোয়বু চাথোকখিগনি। অস্নম হায়না চিংন চিংননদি ঐখোয় লৈথুলদা চংবা ঙম্মোই ইমা॥১৯॥ লৈথুল মন্নুংদা চংদনা মপাল মাইদা লৈরবদি ঐখোয়বু করম্না মৈন চাকখিরোইদৌরিবা, অদুগা মন্নুংদা চংখ্রগা করম্না উচিনা চাখিরোইদৌরিবা হায়রিবা উপায় অনীসিদা ইপাগী আশানা অরেম্বা ওইরোইদৌরিবসি কদায়দনো? অদুগা ইমানা করম্না হিংদুনা লৈগনি॥২০॥ লৈথুলদনা উচিনা চাখিবা, মপান্দনা মৈনা চাকখিবা, শক্ক অনী অসি মুম্না বিচার তৌদুনা য়েংলবনি। অদুগা চাক্কুনা শিখিবনা কৈ, মীনা চাখিবদি ফত্তে॥২১॥ মরমদি উচিনা চাদুনা শিখিবদি ঐখোয়গী মশি অদু মীনা নিন্দা তৌনকম তুক্কচনফম ওই, অদুনা মৈ কৌবা লাইনা চাকখিবদি য়াম্ন ফব মানি, ঐখোয়না পামজবস্ন অসিদুনি॥২২॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেখা সংহিতা আদি-পর্ব্বদা ময়দানবদশনগী মন্নুংদা "জরিতা বিলাপ" কী চনী কুনহমদোই শুবা অধ্যায় লোইরে॥০॥

—:(*):—

শ্রীমহাভারতম্

(শার্ঙ্গক উচেককী ৱারী মতাং)

(চহি কুনথরি শুবা অধ্যায়)

—(০)—

জরিতোবাচ।

অস্মাদ্বিলান্নিষ্পতিতমাখুং শ্যেনো জহার তম্। ক্ষুদ্রং পদ্ভ্যাং গৃহীত্বা চ যাতো নাত্র ভয়ং হি বঃ॥১॥

শার্ঙ্গকা ঊচুঃ।

ন হৃতং তং বয়ং বিদ্মঃ শ্যেনেনাখুং কথঞ্চন। অন্যেঽপি ভবিতারোঽত্র তেভ্যোঽপি ভয়মেব নঃ॥২॥

সংশয়ো বহ্নিরাগচ্ছেদ্ দৃষ্টং বায়োর্নিবর্তনম্। মৃত্যুর্নো বিলবাসিভ্যো বিলে স্যান্নাত্র সংশয়ঃ॥৩॥

নিঃসংশয়াৎ সংশয়িতো মৃত্যুর্মাতর্বিশিষ্যতে। চর খে ত্বং যথান্যায়ং পুত্রানাপ্স্যসি শোভনান্॥৪॥

জরিতোবাচ।

অহং বেগেন তং যান্তমদ্রাক্ষং পততাং বরম্। বিলাদাখুং সমাদায় শ্যেনং পুত্রা মহাবলম্॥৫॥

তং পতন্তং মহাবেগাস্ত্বরিতা পৃষ্ঠতোঽন্বগাম্। আশিষোঽস্য প্রযুঞ্জানা হরতো মূষিকং বিলাৎ॥৬॥

যো নো দ্বেষ্টারমাদায় শ্যেনরাজ প্রধাবসি। ভব ত্বং দিবমাস্থায় নিরমিত্রো হিরণ্ময়ঃ॥৭॥

জরিতানা হায়—লৈথুল অসিদা লৈবা উচি অহুদি নহাল মপান থোরকপদা, খুমথরং অমনা মথোং অনীনা লাক্তুনা পুথ্রবনি, অতুদা লৈথুল অসিদা নখোয়গী করিমত্তা কিফম লৈতে॥১॥ শার্ঙ্গক কোবা উচেক মচাশিং অদুনা হায় খুমুথরং অহনা উচি অহবু ফাত্তুনা পুখিত্রি, মাহুদি ঐখোয় মুম্না থংঙি। মাহনা অচুম্ব ফাখিবমক ওইরবদি মহাক নত্তবা অতোপ্পা উচি অমদি লাকপরা করিনো অহদি মশোয়রে। অদুনা লৈথুল অসিদা চংবদা ঐখোয়না কিফমদি অদুম মথোকলি॥২॥ অসিগী মথক্তা ঐখোয় অসোমদা মৈ অসি য়োরকখিগনা, য়োরকলরোইদ্রা য়ামনা চিংনরি। মরমদি অসোমদা শীথলব্বা মুংশিং অদু অমুক হনখে। অহবু লৈথুল অসিদা চংবদা উচি অহ নত্ত্রবস্থ, লৈথুলসিদা লৈবা করিগুম্বা জীব অমগী মথুত্তা শোথদনা মশিরগনি হায়রবসদা চিংনফম লৈতে॥৩॥ অহনা ইমা ইমা! চিংনফম লৈতনা শোয়দনা থোকলগদবা শিব হায়বহুগী মথায়াত্ত ইশানা চোংশিন্নবগী মহুৎতা চিংন চিংননা লৈবা অসিবগী মফমদা চংশিন্দুনা শিবনা হেন্ন ফৈ। মরম অদুনা ইমা! নিরম অসি কায়দনা পাইখৎপিথে, অফ অফবা ফজবা নচামক্তা ফংবিখিগনি॥৪॥ জরিতানা হায়—ইচাশা! কল্লবা, উচেক খুমথুং অহনা উচি অহবু ফাদুনা পুখিবা অদুদি শোয়গ্রবনি, ঐ ইমিৎমক্তা উহৌরবনি॥৫॥ খুমুথরং তদুনা উচি অদুবু ফাত্তুনা পাইরিতৈ মতম অদুমক্তদা ঐহু মহাকপু থাগৎ থাগদুনা আশীর্বাদ তৌর তৌরদুনা মাগী মতুংদা পাইহনা ইল্লবশি॥৬॥ ঐনা অসুম হায়না মত্তোন্দা আশীর্বাদ

স যদা ভক্ষিতস্তেন শ্যেনেনাখুঃ পতত্রিণা। তদাহং তমনুজ্ঞাপ্য প্রত্যুপায়াং পুনর্গৃহম্ ।৮।
প্রবিশধ্বং বিলং পুত্রাঃ! বিস্রব্ধা নাস্তি বো ভয়ম্। শ্যেনেন মম পশ্যন্ত্যা হৃত আখুর্মহাত্মনা ॥৯॥

শার্ঙ্গকা উচুঃ।

ন বিদ্মহে হৃতং মাতঃ! শ্যেনেনাখুং কথঞ্চন। অবিজ্ঞায় ন শক্যামঃ প্রবেষ্টুং বিবরং ভুবঃ ॥১০॥

জরিতোবাচ।

অহং তমভিজানামি হৃতং শ্যেনেন মূষিকম্। নাস্তি বোঽত্র ভয়ং পুত্রাঃ! ক্রিয়তাং বচনং মম ॥১১॥

শার্ঙ্গকা উচুঃ।

ন ত্বং মিথ্যোপচারেণ মোক্ষয়েথা ভয়াদ্ধি নঃ। সমাকুলেষু জ্ঞানেষু ন বুদ্ধিকৃতমেব তৎ ॥১২॥
ন চোপকৃতমস্মাভির্ন চাস্মান্ বেত্থ যে বয়ম্। পীড্যমানা বিভর্ষ্যস্মান্ কা সতী কে বয়ং তব ॥১৩॥
তরুণী দর্শনীয়াসি সমর্থা ভর্ত্তুরেষণে। অনুগচ্ছ পতিং মাতঃ! পুত্রানাপ্স্যসি শোভনান্ ॥১৪॥
বয়মগ্নিং সমাবিশ্য লোকানাপ্স্যাম শোভনান্। অথাস্মান্ন দহেদগ্নিরায়াস্ত্বং পুনরেব নঃ ॥১৫॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তা ততঃ শার্ঙ্গী পুত্রানুৎসৃজ্য খাণ্ডবে। জগাম ত্বরিতা দেশং ক্ষেমমগ্নেরনাময়ম্ ॥১৬॥

অমসুং বব পীখি— হে উচেক নিংথৌ। ঐখোযগী য়েক্লবা উচিবু নহাক্না ফাহুনা পুবিরি, অদুনা নিংথৌ। স্বর্গদা য়েক্ল তিংখং লৈতনা, সনাগী হকচাং পুত্না মুংঙাইবা কংরিরু ॥৭॥ অদুগী তুংদা থুমুখরং অদুনা উচি অদু চাথোকখ্রে, অদুগী তুংদা মঙোন্দগী বিদায় লৌদুনা ঐ য়ুমদা অমুক হল্লকই ॥৮॥ অদুনা ইচাশা। নখোযনা করিমত্তা চিংনবা তৌদনা লৈথুল অসিদা চংশিনখো, করিমত্তা কিকনু। মরমদি ঐগী ইমিংমক্তুদা থুমুখরং অদুনা উচি অদুবু লাক্তুনা পুথ্রবনি ॥৯॥ শার্ঙ্গক কোবা উচেক মচাশিং অদুনা হায়রকই, ইমা। থুমুখরং অদুনা উচি পুখ্রে হায়বদু ইমিংমক্না উত্রি খংত্রি। অদুনা ইশামক্না খংত্রি উত্রিবনিনা ঐখোয় লৈথুল অসিদা চংখিবা ঙম্মোই ॥১০॥

জরিতানা হাযখি— থুমুখরং অদুনা উচি পুখিবদো ঐদি খংঙি। অদুনা ইচাশা। করিমত্তা কিকম লৈতে, নখোয়না ঐনা হায়রিবসিগী মতুং ইন্না থবক অসি শোয়দনা তৌ ॥১১॥ উচেক মচাশিংনা হায়রকই— ইমা। মিনম্বা ঙাংদুনা ঐখোয়গী অকিবসি কোক্লবদি তৌবিগনু। বিবর অসিদা ঐখোয়গী চিংনবসি কোকত্রিবনিনা ইশানা খংনা খংনা লৈথুল অসিদা চংবা ঙম্মোই ॥১২॥ ঐখোযনা ইমাগী করিগুম্বা অমাংবা ফত্তনবা থবক অমত্তা তৌখিবসু লৈতে, ঐখোয় অসি করম্বা অবস্থাদা লৈরিবনো হায়বসু ইমানা খংবিদে, অদুগা য়ায়না য়ানা ঐখোয়বু য়োকপীরক্লিবনি। নহাক অসি ঐখোয়গী কনানো, অদুগা ঐখোয় অসিনা নহাক্কী কনা কনানো? ॥১৩॥ ইমা নহাক্তি মথোং কায়রক্লিবী ফজবী ওইরি, অদুনা ইনাই লায়না নপুরোইবা থিবা ঙমগনি। অদুনা থিকরিবা নপুরোইবা অদুদগী ঐখোয়বু হেনবা ফজ জরবা মচা ফংহৌবা ঙমগনি ॥১৪॥ ঐখোয়দি মৈসুং অসিদা চোংশিন্দুনা নীংথিরবা স্বর্গ হায়বদু ফংজহৌরগে নত্রগা মৈ অসিনা ঐখোয়বু করিগুম্বা চাকপী হৌত্রবদি, ঐখোয়গী ইনাক্তা অমুক লাকপিয়ু ॥১৫॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— উচেক মচাশিং অদুনা অসুম হায়রবদা জরিতানা মচাশিংবু খাণ্ডব বন অদুগী মনুংদা হন্দোকলমদুনা মৈশা লাংবা মফমদা থুনা পাইথোকখ্রে ॥১৬॥

ততস্তীব্রার্চ্চিরভ্যাগাজ্জ্বলিতো হব্যবাহনঃ। যত্র শার্ঙ্গা বভূবুস্তে মন্দপালস্য পুত্রকাঃ ॥১৭॥
ততস্তং জ্বলিতং দৃষ্ট্বা জ্বলনং তে বিহঙ্গমাঃ। জরিতারিস্ততো বাক্যং শ্রাবয়ামাস পাবকম্ ॥১৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি ময়দর্শনে
শার্ঙ্গকোপাখ্যানে চতুর্বিংশত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:০:—

অদুগী তুংদা চাকলবা মৈরি পুরবা মৈনা মকম অদুদা থুনা য়াংনা লাক্লুনা মন্দপালগী মচা উচেক মচাশিংনা লৈরিবা মকম অদুদা থুংলরে ॥১৭॥ অদুগী তুংদা শার্ঙ্গক উচেক মচাশিং অদুনা মৈরি ফংনা চাকলিবা মৈ অদু উবদা থোইদোকনা কিখ্রে, মতম অদুদা জরিতারী হায়রিবা মচা অহল অদুন মৈগী মকমদা অসিগুম্বা ৱাহৈশিং অসি তাহনখি ॥১৮॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতগী শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদিপর্ব্বদা ময়দর্শনগী মতংদা শার্ঙ্গকোপ খ্যান কৌবা চনীগা কুলথরি শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

—:(০):—

শ্রীমহাভারতম্

(শার্ঙ্গক উচেককী ৱারী মতাং)

(চনি কুনথগা শুবা অধ্যায়)

—:(†):—

জরিতারিরুবাচ।

পুরতঃ কৃচ্ছ্রকালস্য ধীমান্ জাগর্ত্তি পূরুষঃ। স কৃচ্ছ্র কালং সম্প্রাপ্য ব্যথাং নৈবেতি কর্হিচিৎ ॥১॥
যস্তু কৃচ্ছ্র মনুপ্রাপ্তং বিচেতা নাববুধ্যতে। স কৃচ্ছ্রকালে ব্যথিতো ন শ্রেয়ো বিন্দতে মহৎ ॥২॥

সারিসৃক্ক উবাচ।

ধীরস্ত্বমসি মেধাবী প্রাণকৃচ্ছ্রমিদঞ্চ নঃ। প্রাজ্ঞঃ শূরো বহূনাং হি ভবত্যেকো ন সংশয়ঃ ॥৩॥

জরিতারি হায়বা মচা অহল অদুনা হায়— অশিংবা, মবুদ্ধি লৈব মীনা অৱাবা থুদোংথীবা লাক্লিঙ্গৈগী মমাংদা হায়না মাথু কোক্লনবা উপায় য়ামনা চোকশিন্ন থিহৌই ॥১॥ বুদ্ধি লৈতবা, অপংবা মীন অৱাবা থুদোংথীবা লাক্লিঙ্গৈগী মমাংদা কনি থোকলগদগে হায়বত্ত করিসুত্তা, খংবা ঙমদে, মহাক্ অদু অৱাবা মকম অদু লাকপা য়ামনা থুদোংথীব খংতি। অদুগা পুনশিনা মরুদা ওইবা চাওখৎপা ঙমদে ॥২॥ স্তম্বমিত্র কৌবা মচা অহনা অমুক হায়রকই— নহাক হায়বশিনা মমাওশিংবু অৱাবগী করিবনি

স্তম্বমিত্র উবাচ।

জ্যেষ্ঠভ্রাতা ভবতি বৈ জ্যেষ্ঠো মুঞ্চতি কৃচ্ছ্রতঃ। জ্যেষ্ঠশ্চেন্ন প্রজানাতি কনীয়ান্ কিং করিষ্যতি ॥৪॥

দ্রোণ উবাচ।

হিরণ্যরেতাস্ত্বরিতো জ্বলন্নায়াতি নঃ ক্ষয়ম্। সপ্তজিহ্বাননঃ ক্রুরো লেলিহানো বিসর্পতি ॥৫॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবং সম্ভাষ্য তেঽন্যোন্যং মন্দপালস্য পুত্রকাঃ। তুষ্টুবুঃ প্রয়তা ভূত্বা যথাগ্নিং শৃণু পার্থিব ॥৬॥

জরিতারিরুবাচ।

আত্মাসি বায়োর্জ্বলন শরীরমসি বীরুধাম। যোনিরাপশ্চ তে শুক্রং যোনিস্ত্বমসি চাম্ভসঃ ॥৭॥

ঊর্দ্ধঞ্চাধশ্চ সর্পন্তি পৃষ্ঠতঃ পার্শ্বতস্তথা। অর্চ্চিষস্তে মহাবীর্য্য রশ্ময়ঃ সবিতুর্যথা ॥৮॥

অহনা ময়াম্বা অহলমক্না উপায় অহ উত্র থংত্রবহদা মনাও ঐথোয়নদি করি থংগনি, করি তৌগনি? ॥ ৪ ॥ দ্রোণ কৌবা উচেক মচা অমনা হায়রকই— য়েঙ্ মৈরি ফংনা চাকলবা মৈ অসিনা থুনা য়াংনা ঐথোয়না মৈরিবসিগী মায়কৈদা লাকলি; মরৈ তরেৎ পানবা * মরমচৎ থারবা অগ্নিনা হৈপাল লৈপাল জীব কয়া কয়া য়োৎশিল য়োৎশিন্দুনা অসোমদা তকশিল্লকলি, অসুম অসুম পাকথোক-শন্দোকলি ॥৫॥ বৈশম্পায়ননা হায়— মহারাজ জনমেজয়! অসুম মন্দপাল মুনিগী মচা উচেকশিং অহনা অমগা অমগা ঙাংনহনা ওহাক নৈনকরগা, পুকনিং লোংদনা করম্না মৈগী স্তুতি তৌখিবা অদু তাবিয়ু ॥৬॥

জরিতারিনা হায়—

মৈ কৌবা অথোই লাই! নুংশিৎকী মচানি নহাক্তি,
উরী পুম্বগী হকচাংনি, লৈপাক্কী পোকনফম ঈশিংনা নংগী বীর্য্য ওইরিদো
মরম অহনা নহাক্তি ঈশিংগীসু হোৎফম ওইরিদো ॥৭॥
নতিক নগুণ-পাজল লৈরবা! নুমিৎকী মশেক মঙালগুম,
নংগী লংলবা মৈরিনা, থক থা, তুং-নাং মায়কৈ মরিদা শন্দোকলি ॥৮॥

টিপ্পনী :— মৈবু সপ্তজিহ্বা (মরৈ তরেৎ পানবা) কৌই। মরমদি :— মৈগী কাযথোরকপা মৈরি তরেৎ তরেৎ ওইনা থোকই। মাদুদি— (১) কালী— মচু মুশিন মুবী মৈরি মরৈ।

(২) মনোজবা— পুক্লিংদগী হেম্না যাংবা চোংথোরকপী মৈরি—মরৈ।

(৩) ধুম্রা— মৈখুগ লোয়ননা যাওথাংননা থোরকপী মৈরি—মরৈ।

(৪) করালী— অকিবগী মশক মংবী, ফু ফু কাবী মৈরি—মরৈ।

(৫) লোহিতা— ঈ মচু মানবী মৈরী।

(৬) স্ফুলিঙ্গিনী— মৈরি মরুনা শেক শেক কাপথোকপী মৈরি।

(৭) বিশ্বরুচি — য়েংবদা জীব পুম্বগী মমিও মমবা নীংথিবা উৎপী মৈরি মরৈ

সারিসৃক্ক উবাচ।

মাতা প্রস্তা পিতরং ন বিদ্মঃ পক্ষা জাতা নৈব নো ধূমকেতো।
ন নস্ত্রাতা বিদ্যতে বৈ ত্বদন্যস্তস্মাদস্মাংস্ত্রাহি বালাংস্তমগ্নে ॥৯॥
যদগ্নে! তে শিবং রূপং যে চ তে সপ্ত হেতয়ঃ। তেন নঃ পরিরক্ষ ত্বমার্ত্তান্ বৈ শরণৈষিণঃ ॥১০॥
ত্বমেবৈকস্তপসে জাতবেদো, নান্যস্তপ্তা বিদ্যতে গোষু দেব!
ঋষীনস্মান বালকান্ পালয়স্ব পারেণাস্মান্ প্রৈহি বৈ হব্যবাহ! ॥১১॥

সরিসৃক্কনা! হায়—

মৈথুনা ফিরাল ওইরিবা, মৈকৌব অথোইবা লাই।
ঐথোয়বু পোকপী ইমাসু, মশক কৌব উথিদ্রে;
ইপাগী মপাও ফংখিদ্রে, ঐথোযগী ইশা পান্দরি,
অঙাং নব্বা ওইরিবী, উচেক মচা মক্তনি।
হৌজিককী মতম অসিদা, নহাক নত্তনা কনাসু,
ঐথোয়বু কনখিনীঙাই লৈতেদো, নহাকনা ঐথোয়বু কনখিবু ॥৯॥
মৈ কৌবা অথোইবা লাই।
থয়াই হকচাং চাকহল্লি। নহাক্কী মৈলানা ঐথোয়গী,
নহাক্কী নক্ষর্মদা চংজরি।
নহাক্কী মৈরি তরেৎতো, মঙ্গলগী মশক ওইবিনি,
মৈরি তরেৎ অচনা, ঐথোয়বু নংনা কনবিয়ু ॥ ১০ ॥
মৈ কৌব অথোইব লাই। নত্তোন্দগী বেদ পোকইনদো,
তপস্তাগী অরোইবা থুংফমসু মৈ নহাক্তা ওইবনি।
জগৎ অসিগী মসুংদা, নহাক নত্তবা তপস্বী,
অত্তে অম লৈতেদো। অগ্নি দেব তাবিয়ু;
ঐথোয় পুম্ব লৈরিব; অঙাং ওইরিব মক্তনি,
ঋষিগী মচা মক্তনি। ওইনা ঐথোয়বু কনবিয়ু,
মরূপকী মতৌগুম নহাকনা, ঐথোয়গী চংজফম ওইবিয়ু ॥১১॥

স্তম্বমিত্র কৌবনা হায়—

মৈ কৌব অথোইব লাই।
পুম্নমকপি নংতনা ওইবনি জগৎ পুম্বসু নত্তোন্দনি।
পুরিদো নংনা জীব পানবনু, কন্নি অমুক হায়রসনি,
জগৎ পুম্ববু মহাকনা, পুক্কনা কোয়চৎ চল্লিদো ॥১২॥ (ক)

(ক) টীকা— অরায়বা অর্থদা জগৎপুম্বা হায়বদি হকচাংবুনি। হকচাংসিবু মৈ জীবিং প্রাণিং আকাশ মৈলাক মত্তানা পুম্নমা পুরি। মথোয়গীসিদা মহুদা মৈনা অথোইবা লুচিংবা ওইনা পুরি। মৈগী মৈলাদা অগ্নম হকচংকপা হেক লোইবদা হকচাং অসি লেংদনা তুমিয়া তাই।

বিশ্বামিত্র উবাচ।

সর্বমগ্নে! ত্বমেবৈকস্ত্বয়ি সর্বমিদং জগৎ। ত্বং ধারয়সি ভূতানি ভুবনং ত্বং বিভর্ষি চ ॥১২॥

ত্বমগ্নিৰ্হব্যবাহস্ত্বং ত্বমেব পরমং হবিঃ। মনীষিণস্ত্বাং জানন্তি বহুধা চৈকধাপি চ ॥১৩॥

সৃষ্ট্বা লোকাংস্ত্রীনিমান্ হব্যবাহ! কালে প্রাপ্তে পচসি পুনঃ সমিদ্ধঃ।

ত্বং সর্বস্য ভুবনস্য প্রসূতিস্ত্বমেবাগ্নে! ভবসি পুনঃ প্রতিষ্ঠা ॥১৪॥

দ্রোণ উবাচ।

[illegible] প্রাণিভিস্তু ক্ষম্ অন্নভুক্তো জগৎপতে।। নিত্যং প্রবৃদ্ধঃ পচসি ত্বয়ি সর্বং প্রতিষ্ঠিতম্ ॥১৫॥

সূর্যো ভূত্বা রশ্মিভির্জাতবেদো ভূমেরম্ভো ভূমিজাতান্ রসাংশ্চ।

বিশ্বানাদায় পুনরুৎসৃজ্য কালে বৃষ্ট্যা বৃষ্ট্যা ভাবয়সীহ শুক্রঃ। ॥১৬॥

মৈ কোব অথোইব লাই।

মতুংগী মপালগী অনীমক, মৈ হায়বচু নথন্তনি।

থৱাইদগী হেনবা কথোইবা, হোম তৌনবা হবিদি,

নহাক্তনা ওইবনি, অশিংবা জ্ঞানী কয়ানা,

মৈ কোবা নহাকপু, অমনি, মযামনি হায়নৈদো ॥১৩॥ (*)

মৈ কোব অথোইব লাই।

মরোল অহুম অসিবু নহাকনা শেম্মে হায়রগা,

মতম লাকালে হাযরগা, নংনা অমুক চাকথেকই।

জীব পানবা পুম্ববু, মমাগী মতৌগুম য়োকপিরি।

পুমনমকী চংফম ওইবিরি ॥১৪॥

দ্রোণ কৌবা মুনিগী উচেক মচানা হায়—

জগৎ পুম্বগী মপুও! জীব পানবা চারিবা,

নংতনা ওইবনি। জীবাত্মা হায়বমু নহাকনি,

মকম পুমনমক শীনথুংবা, লেংদবা ওইনা নহাকনা

কালগী মশক লৌদুনা, জগৎ পুম্বা চাকহল্লি,

নত্তোন্দা ভুমনা ভুংনরি ॥১৫॥

মৈ নংনা, সুমিৎকী মশক লৌইনা

পৃথিবী নৈমায় থক্কগী, ঈশিংবু নশেক লওরা,

নৈমায় থক্কা নৈরিবা, রস পুম্বা চিংদুনা

পুমনমক অচুবু অমুরক, নোংগী মওংদা নৈথরনা,

(*) [illegible] —[illegible] পুম্বী পোয়রকম ওইনা লৌরগা অমহনি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] নরাদি।

ত্বত এতাঃ পুনস্ত শুক্রে! বীরুধো হরিতচ্ছদাঃ। জায়ন্তে পুষ্করিণ্যশ্চ সমুদ্রশ্চ মহোদধিঃ ॥১৭॥
ইদং বৈ সদ্ম তিগ্মাংশো! বরুণস্য পরায়ণম্। শিবস্ত্রাতা ভবাস্মাকং মাহস্মানস্য বিনাশয় ॥১৮॥
পিঙ্গাক্ষ! লোহিতগ্রীব! কৃষ্ণবর্ত্ম ন্! হুতাশন্! পরেণ প্রৈহি মুক্তাস্মান্ সাগরস্য গৃহানিব ॥১৯॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তো জাতবেদা দ্রোণেন ব্রহ্মবাদিনা। দ্রোণমাহ প্রতীতাত্মা মন্দপালপ্রতিজ্ঞয়া ॥২০॥

অগ্নিরুবাচ।

ঋষির্দ্রোণস্ত্বমসি বৈ ব্রহ্মৈতদ্ব্যাহৃতং ত্বয়া। ঈপ্সিতং তে করিষ্যামি ন চ তে বিদ্যতে ভয়ম্ ॥২১॥
মন্দপালেন বৈ যূয়ং মম পূর্ব্বং নিবেদিতাঃ। বর্জয়েঃ পুত্রকান্ মহ্যং দহন্ দাবমিতি স্ম হ ॥২২॥

মখল মথা অয়াম্বা, হৈপাল লৈপাল অপুম্বা,
নহাক্কনা হোৎহনবনি, নহাক্কনা য়োকপনি ॥১৬॥
মৈ কৌবা অথোইবা লাই।
অম্বক য়াম্বা উরিবা, অশং শমান হৌরিবা,
হৈপাল লৈপাল উরি স্বারি,
পুখ্রী লাংখোং পুম্বদা তুংলিবা ঈশিং অপুম্বা,
নহাক্কনা শেম্বনি, নভোন্দগী পোকপনি।
করি অমুক হায়গনি, চাংজৌ নাইত্রবা ঈপাকস্মু
নভোন্দগী পোকপনি ॥১৭॥
থৌরবা মঙায়া থুৎলাই ওইবা অগ্নি দেব।
নভোন্দগী থোকপা ঈপাকসে, বরুনগী মন্মমনি হায়নৈদো।
ঙসি কৌবা মুমিত্তা, মঙ্গলগী মশক ওইরবা;
ঐথোয় পুম্ববু কনবিয়্, ঐথোয়বু চাকথেকপিগনু ॥১৮॥
নমিৎনা য়োংমানবা মচু ওইরিবা। থৌরিনা ঙাংলৈনব ও।
লম্বীনা মৈথুঙুম মুবও। মঙ্গদা হুস্বরকপা পুম্বনা,
নংগী চিঙ্গাক ওইবও। অতোয়া অমদা চাকউবো,
সমুদ্র লৈথাদা লৈরিবা, লৈকুৎকুম ঐথোয়বু থাদোকপিরম্মু ॥১৯॥

বৈশম্পায়ননা হায়— ব্রহ্মবাদী ওইরবা, মুনিগী মচা দ্রোণনা অসুম হায়রকলবদা অগ্নিদেবনা পোক্ত হুনা মহর্ষি মন্দপালগী মফমদা বাশক্রমদুনা মনাক্কা লৈরিব দ্রোণগী মফমদা হায়রকই ॥২০॥ অগ্নিনা হায়রকই— দ্রোণ। নহাক্তি ঋষিনি অমসুং নখোয়না ঐহাকপু সমং ব্রহ্মনি হায়না স্তুতি তৌরি। অদুব নখোয়না নীংলিবা অদু থুংহনগনি করিমত্তা কিগনু ॥২১॥ নখোয়গী নপা মন্দপাল মুনিমতু মমাংদা নখোয়গী মরমদা লোয়না থংহনবনি, নখোয়বু পোকপা নপানা— "অগ্নিদেব! নহাক্কা থাগুব বন মীসিন্নু চাকলৌরি, অদুবু ঐগী ইচাশিং অসিবুদি থাকপিরম্মু ॥ ২২॥ দ্রোণ! নহাক্কী অদুমনা হায়রিবা। হা

অত অত্যন্ত দ্রোণ! ত্বয়া যজ্ঞের ব্যাপিতম্!
উক্তবান্ যৎ অভীষ্টং প্রতি কিং করবাণি তে। ভৃশং প্রীতোঽস্মি ভদ্রং তে ব্রহ্মন্! স্তোত্রেণ সত্তম॥

দ্রোণ উবাচ।

ইমে মার্জারকাঃ শুক্র! নিত্যমুদ্বেজয়ন্তি নঃ। এতান্ কুরুষ্ব দংষ্ট্রাসু হব্যবাহ! সবান্ধবান্ ॥২৪॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তথা তৎ কৃতবানগ্নিরভ্যনুজ্ঞায় শার্ঙ্গকান্। দদাহ খাণ্ডবং চাপি সমিদ্ধো জনমেজয়! ॥২৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্বণি ময়দর্শনে
শার্ঙ্গকোপাখ্যানে ত্রিংশত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

অত্তু, অত্তুগা নখোয়না হায়রিবা য়া অসিগা অমী অসিমক ঐত্তোন্দা থরুবা অরুবানকনি। অদুনা নখোয় গীদমক ঐবু কম্রি তৌরম্মু, হায়বগে অসিমত্থু হায়রু; ত্রাহ্মণ মখোইবা নখোয়না ঐগী মথক্তা তৌখিব স্তুতি অসিদা ঐ য়াম্না পেরে, মখোয়গী মঙ্গল ওইসনু ॥২৩॥ দ্রোণনা হায়— অগ্নিদেব! হৌদোং হায়বা জাৎ অসিনা ঐখোয়বু-মতম পুম্নমক্তা অকিবা পিশারবা পী; অদুনা মখোয়গী শাগৈনাইবগা লোয়ননা লোইনা চাকথেক পিয়স্লো ॥২৪॥ বৈশম্পায়ননা— মহারাজ জনমেজয়! অগ্নিদেবনা শার্ঙ্গ কৌবা উচেক মচাশিংনা হায়জবহ য়াবিখ্রে; মখোয়বু থাদোকশিনদুনা বনগী মকম মকম শুমিংদা চৎখ্রে ॥ ২৫ ॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেখবা সংহিতাদা আদি পর্বগী ময়দর্শনগী মনুংদা শার্ঙ্গ মীয়ামগী কৌবা চমীগা কুনমঙা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

শ্রীমহাভারতম্।

(শার্ঙ্গক উঠেককী ৱারী)

(চপ্তি কুনতরক্কক শুবা অধ্যায়)

—:(•):—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

মন্দপালোঽপি কৌরব্য ! চিন্তয়ামাস পুত্রকান্। উক্ত্বাপি চ স তিগ্মাংশুং নৈব শর্ম্মাধিগচ্ছতি ॥১॥
স তপ্যমানঃ পুত্রার্থে লপিতামিদমব্রবীৎ। কথং নু শক্তাঃ শরণে লপিতে ! মম পুত্রকাঃ ॥২॥
বর্দ্ধমানে হুতবহে বাতে চাশু-প্রবায়তি। অসমর্থা বিমোক্ষায় ভবিষ্যন্তি মমাত্মজাঃ ॥৩॥
কথং ত্বশক্তা ত্রাণায় মাতা তেষাং তপস্বিনী। ভবিষ্যতি হি শোকার্ত্তা পুত্রত্রাণমপশ্যতী ॥৪॥
কথমুড্ডয়নেঽশক্তান্ পতনে চ মমাত্মজান্। সন্তপ্যমানা বহুধা বাশমানা প্রধাবতী ॥৫॥
জরিতারিঃ কথং পুত্রঃ সারিসৃক্কঃ কথঞ্চ মে। স্তম্বমিত্রঃ কথং দ্রোণঃ কথং সা চ তপস্বিনী ॥৬॥
লালপ্যমানং তমৃষিং মন্দপালং তথা বনে। লপিতা প্রত্যুবাচেদং সাসূয়মিব ভারত ! ॥৭॥
ন তে পুত্রেষ্ববেক্ষাস্তি যানৃষীনুক্তবানসি। তেজস্বিনো বীর্য্যবন্তো ন তেষাং জ্বলনাদ্ভয়ম্ ॥৮॥
তথাগ্নৌ তে পরীত্তাশ্চ ত্বয়া হি মম সন্নিধৌ। প্রতিশ্রুতং তথা চেতি জ্বলনেন মহাত্মনা ॥৯॥

মহারাজ ! বৈশম্পায়ননা হায়থি— মন্দপাল মুনিস্থু মচাশিং অদু কমদৌরিগবা হায়দুনা চিন্তা তৌবা হৌরক্লে। মরমদি, অগ্নিগী মকমদা ভুবমথৈ মহাকপু হায়জরপ্সি হায়রবু মপুক্কিংদা ইচিংদা চিংনবনা শান্তি ফংলম্দে ॥১॥ মানা মচাশিংগী দমক্তা য়াম্না লাংতক্লদুনা লপিতাদা হায়রকই— লপিতা ঐগী ইচাশিং অদুবু পাইথোক পাইশিন চংথোক চশিন ঙম্লরিগদবা ? ॥২॥ মৈ অদুনা অসুম চাকশিল্লকবদি, অদুগী মথক্তা হুংশিংনা অমুক শিংচিল্লকবদি ইচাশিং অদো হিংগদৌবা মরৈতরে। ॥৩॥ মমা অশোয়বী অদুনা করম তৌনা মথোয়বু কনবা ঙমগদৌরিবনো, মচাকশিংতায় উপায় উত্রদুনা ওথোক্তা ৱানা লৈররিগনি ॥৪॥ ওম্বোকপনি ! ঐগী ইচাশিং অদুনা পাইদি পাইমিং, পাইবদি ঙমদা, মাদু উবদা মম দো ওথোক্তা ৱাররিগনিদকো, খোল্লেল খোল্লা তেংথা নাওইনা লাওখোংনা কপলরিগনি অমসুং মায়কৈ অমদগী অমদা কোয়চেল চেন্দুনা লৈররিগনি ॥৫॥ ইচা অহন জরিতারিনা করম লৈরিগবা, সারিসৃক্কনা করম তৌরিগবা স্তম্বমিত্র অমদি দ্রোণনা করম্থা মতংদা লৈরিগবা, অদুগা কনা লৈত্রবী অহন ওইরবী জরিতানা হৌজিক করম তৌরিগবা ! ॥৬॥ মন্দপাল মুনিনা মনগী মসুংদা অসুম তৌনা হন্না হন্না শোয়কলবদা, লপিতা কৌবী অতোম্বী অদুনা করক খঙ্গবনা অস্তুনা হায়রকই— ॥৭॥ নংগী নচাশিং অদুগী মরমদা করিমত্তা খঙংলুদ্রে। করিগুম্বা নংনা মখোয়বু থিবিদি হায়রবদায়দো। অহনা ঋষি মচা তাক্তনিদা শুংকন পাবনবা তাক্তনিনা মৈনা চাক্তনিবা হায়রবা অমত্তা কিরিরোই ॥৮॥ অদুনা মহাকমক্লহ— "অগ্নিগী মকমদা লৈশি লৈখোক্লুনা, য়ায়া হায়রম্মনি, অদুনা

লোকপালো ন তাং বাচমুক্ত্বা মিথ্যা করিষ্যতি। সমর্থাস্তে চ সম্ভর্ত্তুং যেন তু ক্ষেমমাপ্নুয়াৎ ॥১০॥
অন্বেষ তু মমাভিপ্রায়ং চিন্তয়ন্ পরিতপ্যসে। এবং যদি ন তে স্নেহো যথা তস্যাং পুরাভবৎ ॥১১॥
নহি প্রেমবতা ত্যাজ্যং নির্স্নেহেন সুহৃজ্জনে। পীড্যমান উপদ্রষ্টুং শক্তেনাত্মা কথঞ্চন ॥১২॥
গচ্ছ ত্বং জরিতামেব যদর্থং পরিতপ্যসে। চরিষ্যাম্যহমপ্যেকা যথা কুপুরুষাশ্রিতা ॥১৩॥

মন্দপাল উবাচ।

নাহমেবং চরে লোকে যথা ত্বমভিমন্যসে। অপত্যহেতোর্বিচরে তচ্চ কৃচ্ছ্রগতং মম ॥১৪॥
ভূতং হিত্বা চ ভাব্যর্থে যোঽবলম্বেৎ স মন্দধীঃ। অবমন্যেত তং লোকো যথেচ্ছসি তথা কুরু ॥১৫॥
এষ হি প্রজ্বলন্নগ্নির্লেলিহানো মহীরুহান্। আবিগ্নে হৃদি সন্তাপং জনয়ত্যশিবং মম ॥১৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ভর্ত্তুর্হি বাক্যং সা শ্রুত্বা লপিতা দুঃখিতাভৃশং। সান্ত্বয়ামাস চ পুনঃ পতিং পতিপরায়ণা ॥১৭॥
তস্মাদ্দেশাদতিক্রান্তে জ্বলনে জরিতা পুনঃ। জগাম পুত্রকানেব ত্বরিতা পুত্রগৃদ্ধিনী ॥১৮॥

মৈনা মখোয়বু শোয়দনা কনবিগনি হায়না য়াহৌরে" অমুম হায়না ঐগোন্দম্ন ঊমখ্রবনি ॥৯॥ অদুনা মৈ হায়বা লাই অদুনা মায়কৈ ভাকপা লাই ওইরগা মীঅমদুনা হায়নখিবা বাবু থক কাউরোই। অসিদি লাইরবুনা নচাশিং অদো ভম্না পাইখোক পাইশিনদ্ভমলরিগনি। অদুনা পুক্কিংদা থক তহা ভম্নাসু তপথো ॥১০॥ অদুমদি ওইরবদা নহাক্না মুমিৎচুপ্না ঐগী লোক্সবীদুগী খাথলতদা মুংনাংদুনা লৈরি, মরম অদুনা নংনা নহাকপু মমাংঙ্গৈদগী মুংশিরকইবা অদুগুম্না ঐবু মুংশিবীবা নত্তে ॥১১॥ মতু অহন তদা পুক্কিং চংদুনা লৈবা, অতোপ্পীবুদি ইমুং মুংশিদবা নিপা অদুনা অকোনবদা লৌবী মুপী অদুবু ইম্নাই লাইনা থাদোকপা ওম্মি, অসিগুম্বা অবস্থাদা অতোপ্পী মুপী অদুগা লোয়ননা খাৎমি খাতায়শাবা, উনবা হায়বসি নিপা অমনা থক তৌরোইদবনি ॥১২॥ অদুনা মাপী দমক্তা মুংনাংলিবদো, জরিতা কৌবী অদুগী মফমদা চৎপিখ্রে। ঐনু ফত্তবা নিপাগা তিন্নকবী মুপী অমগুম্না ইথক্তা কোয়চৎ চত্তুনা লৈজখৌরগে ॥১৩॥

মন্দপালনা হায়খি— নংনা খল্লিবা অদুগুম্না ঐহাক্তি অমদগী অমদা কাড়ু কারণ থক চত্রি। ঐনা হুজৎ হন্দা চৎপদি ইচাশিংগীদমক্তনি, ইচাশিং অদো ক্লোজিক্তি অন্বাবদা তারে ॥ ১৪ ॥ লৈরিব অমম্লুং থোকখ্রবা কিবম অদু থাদোক্তুনা তুংদা থোক্লগদৌবা থবক্তা আশা তৌদুনা নন্দুনা লৈরিবা নিপা অদো মবুদ্ধি থেনবনি; অদুনা অদুগুম্বা মী অদু ময়ামনা থওই উশিন্তে। অদুনা হৌজিকস্থ মমা তৌনিবদা তৌজবো ॥১৫॥ অগ্ন! লৈরি কংনা চাক্লিবা মৈ অমিনা ঐনী খাবী খিবিকপু চাক্লিবা অদি উমনা ঐগী থমোই অশিদা অন্নাম অমদি অমজদা ওইবগী চিংনবনি পোকখ্রেদা ॥১৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়খি— মপুরোইবনা মিথী লপিতানা মপুরোইবগী বা অদি তাবনা থোইদোক্তা খাখ্রুনা অমুক হন্না মপুরোইবনা লোন্দুনা হায়জখি ॥১৭॥ অসোমদা অমুব তৌমিজৈদো, আসোমনা মৈদুনা হেন্দোক্তুনা মপুকসুরবী মপা থাদোক্তুনা চৎখরবদা মচা মুংশিজরবী জরিতানা মচাশিংনা লৈরিবা মফমদা খুদা

সা তান্ কুশলিনঃ সর্ব্বান্ বিমুক্তান্ জাতবেদসঃ। রোরূয়মাণান্ দদৃশে বনে পুত্রান্ নিরাময়ান্ ॥১৯॥

অশ্রূণি মুমুচে তেষাং দর্শনাৎ সা পুনঃ পুনঃ। একৈকশো নতান্ সর্ব্বান্ ক্রোশমানাঽন্বপদ্যত ॥২০॥

ততোঽভ্যগচ্ছৎ সহসা মন্দপালোঽপি ভারত!। অথ তে সর্ব্ব এবৈতং নাভ্যনন্দংস্তদা সুতাঃ ॥২১॥

লালপ্যমানমেকৈকং জরিতাঞ্চ পুনঃ পুনঃ। ন চৈবোচুস্তদা কিঞ্চিত্তমৃষিং সাধ্বসাধু বা ॥২২॥

মন্দপাল উবাচ।

জ্যেষ্ঠঃ সুতস্তে কতমঃ কতমস্তস্য চানুজঃ। মধ্যমঃ কতমশ্চৈব কনীয়ান্ কতমশ্চ তে ॥২৩॥

এবং ব্রুবন্তং দুঃখার্ত্তং কিং মাং ন প্রতিভাষসে। কৃতবানপি বহ্ন্যাগং নৈব শান্তিমিতো লভে ॥২৪॥

জরিতোবাচ।

কিন্নু জ্যেষ্ঠেন তে কার্য্যং কিমনন্তরজেন তে। কিং বা মধ্যমজাতেন কিং কনিষ্ঠেন বা পুনঃ ॥২৫॥

যাং ত্বং মাং সর্ব্বতো হীনামুৎসৃজ্যাসি গতঃ পুরা। তামেব লপিতাং গচ্ছ তরুণীং চারুহাসিনীম্ ॥২৬॥

মন্দপাল উবাচ।

ন স্ত্রীণাং বিদ্যতে কিঞ্চিদন্যত্র পুরুষান্তরাৎ। সাপত্নকমৃতে লোকে নান্যদর্থবিনাশনম্।

বৈরাগ্নিদীপনঞ্চৈব ভৃশমুদ্বেগকারি চ ॥২৭॥

য়াংনা পাইরক্তুনা থুংলরে ॥ ১৮ ॥ থুংলরবা মতুংদা করি উবগে হায়রবু—মচা পুম্নমক উবদা করিমতা শোক পনবা, অনা অয়েক য়াওদনা নৈরম্মি, অদুবু মচাশিংবু উবদা হীক্ল হাক্ল কপখি ॥ ১৯ ॥ মতম অদুদা মচাশিং অদুবু য়েংল য়েংলদুনা হীক্ল হীক্ল কপ্পগী শিন্দুরকপা পী অদু হন্ন হন্ন তৈথোকই মচাশিং অদো অমমম চংলক্তুনা মমাদা থুরগৈ, জরিতানা মথোয়গী মমিং কান্ন কৌর কৌরদুনা কোনবিখি ॥২০॥ অদুগ্ন তৌরিবৈজো মন্দপাল মুনিন্দু থুনা য়াংনা লাক্তুনা মথোয়গী নাক্তা থুংলখি অদুবু মচাশিং অদুনা মপাবু কৌরে, খুরুম খাজংখিদে ॥ ২১ ॥ অদুম ওইনমক মন্দপাল মুনিনা মচাশিং অদুদা মীপুমখিংনা অমসুং জরিতায়োমদা য়েংদুনা হন্না হন্না করি করম তৌদুনা হিংহৌবগে অসুম হায়না কংডি, অদুবু মথোয় অদুনা হোয়নি— মাইনি হায়না অমতা শুমখিদে ॥২২॥ মন্দপালনা হায়রকই—জরিতা। ইচাশিং অসিবু কনানা অহননো? কনানা য়াইপানো? কনানা অতোনবনো? ॥২৩॥ ঐনা য়াদুনা হায়রব অসিদা নংনা করিগুম্বা পাউথুম অমতা পীত্রিবা করিগীনো? ঐনা নথোয়বু থাদোক্লগা অতোপ্পা মকমদা চক্তুনা য়েংলুবদা শান্তি অমতা ফংখিদ্রে ॥২৪॥

জরিতানা হায়রকই— নচা অহনা নহাক্তী করি থবক তৌররগনি, অদুগা মথং অদিনা, য়াইবা অসিনা অমসুং অতোপ্পা অসিনদু নহাক্তী করি তৌগনা মাথোয়গী কপান চাগদোরিবা ॥২৫॥ ঐদি লাইরবী তোমবী নত্ত্রবো অদুমক্তনা ঐবু থাদোক্পিদুনা অতোপ্পী অমগী মকমদা চংখিদ্রবনি, অদুক্তা য়াথোং কারকপী, মীনোক ফজবী, লপিতা কৌবী অদুগী মকমদা লেংখোয়রো ইবুংও ॥২৬॥ মন্দপালনা হায়রকই— জরিতা। অতোপ্পা নিপা অমগী লৈবা তোবা অসিনগী হেন্না কুপী [illegible]. [illegible]

স্বএতা চাপি কল্যাণী সর্ব্বলোকেষু বিশ্রুতা। অরুন্ধতী মহাত্মানং বশিষ্ঠং পর্য্যশঙ্কত ॥২৮॥
বিশুদ্ধভাবমত্যন্তং সদা প্রিয়হিতে রতম্। সপ্তর্ষিমধ্যগং বীরমবমেনে চ তং মুনিম্ ॥২৯॥
অপধ্যানেন সা তেন ধূমারুণসমপ্রভা। লক্ষ্যালক্ষ্যা নাভিরূপা নিমিত্তমিব পশ্যতি ॥৩০॥
অপত্যহেতোঃ সম্প্রাপ্তং তথা ত্বমপি মামিহ। ইষ্টমেবং গতে হি ত্বং সা তথৈবাদ্য বর্ত্ততে ॥৩১॥
নহি ভার্য্যেতি বিশ্বাসঃ কার্য্যঃ পুংসা কথঞ্চন। নহি কার্য্যমনুধ্যাতি নারী পুত্রবতী সতী ॥৩২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততস্তে সর্ব্ব এবৈনং পুত্রাঃ সম্যগুপাসতে। স চ তানাত্মজান্ সর্ব্বানাশ্বাসয়িতুমুদ্যতঃ ॥৩৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি ময়দর্শনে
শার্ঙ্গকোপাখ্যানে ষড়্বিংশত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:*:——

ওইবা থবক অতে অমা লৈত্রবনি, অদুগা এলোম্নবীগী কল্লরুবা হায়বা অসিগুম্বা থবক পুম্নমককী মাংনবগী, অদুগা অমগা অমগা য়েংথিনবগী মৈরিবু চাকহনবা গুম্বা, অমসুং পুক্রিংদা পোথাবা পীনবগী মচাক অমতা লৈত্রবনি ॥২৭॥ ব্রত কল্লবী, জগৎ ফাওরবী, অরুন্ধতী দেবী ফাওবা মপুরোয়বগী তফব মঙ্গলদ খল্লবী ওইদনসু, মপুরোয়বা বশিষ্ঠবু অতোপ্পী কনাগুম্বী অম লোয় থপ্লা হায়না চিংনখি ॥২৮॥ মরমচত্তা দোষ লৈত্রবা মাগী মুপীবু মুংশিঙ্করবা, অমদি মাগী অফবত খন্দুনা লৈরবা, সপ্তর্ষিগী মনুংদা অথোইবা ওইরবা বশিষ্ঠ মুনিমকপুসু অরুন্ধতীনা উশিৎ থওইদনা ভাংখি ॥২৯॥ মাহুগী মহৈনা অরুন্ধতী দেবী হায়বসি অমুক্কা মৈথু মচু মায়ম অমুক্কা ভাংলৈননা, অমুকসু মউবা, অমুকসু উদবা ওইদুনা, অদুক মশক ফজখ্রবদো মশাগী মুংভাইকম থোক্ত্রবা মওং অদু উজবদা মশক থীখিদনা, মায়থোং লাংশিন্না মাহুতা থন্দুনা লৈরিবসিনি ॥৩০॥ ইচা পোক্লগে, ইচা ফংগে হায়বগী দমক্তা ঐনা লপিতা কোবীদুগী মফমদা চংভুবনি, অদুবু জরিত্তা! নহাকসু অরুন্ধতীনা বশিষ্ঠদা চিংনবা অদুগুম্না ঐঙোন্দা চিংনবি। অদুগা ইচাশিংবু মুংশিদুনা মথোয়গী মফমদা লাকপ-সিসু নংগুম্না লপিতাসু অদুম শাওহৌই, চিংনহৌই ॥৩১॥ মরম অদুনা মুপীবু মভুনি, মাগী মুপীনি হায়দুনা নিপা অমনা মপুং ফানা থাজবসি ইচুম চুমদে। করিনা, মুপী হায়বসি, মচা পোকপী, মচা লিপা লৈবী হায়বহ ওইরবা তুংদা, মপুরোয়বগী থবক্তা কায়গনি হায়বনচিংবদা থোইদোক্লা থল্লগে ॥৩২॥ মা অসি তায়বা তুংদা মন্দপালগী মচাশিংনা মপাবু তরাম তরাম তৌখি, ব্যবহার তৌখি। মন্দপালনসু মচাশিং অদুবু মুংশিনা জ্ঞান তাকখি, থেমজিনখি ॥৩৩॥

মতাং অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোকলিশিং চামনা, শ্রীবালনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা ময়দানব দর্শনগী মনুংদা শার্ঙ্গকোপাখ্যান" চনীগা কুনতরুক শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

——:(০):——

শ্রীমহাভারতম্

(ময়দানবত্রা কয়ান)

(চনী কুনতরেৎ শুবা অধ্যায়)

—:(০):—

মন্দপাল উবাচ।

যুষ্মাকমপবর্গার্থং বিজ্ঞপ্তো জ্বলনো ময়া। অগ্নিনা চ তথেত্যেবং প্রতিজ্ঞাতং মহাত্মনা ॥১॥

অগ্নের্বচনমাজ্ঞায় মাতুর্ধর্মজ্ঞতাঞ্চ বঃ। ভবতাঞ্চ পরং বীর্য্যং পূর্বং নাহমিহাগতঃ ॥২॥

ন সন্তাপো হি বঃ কার্য্যঃ পুত্রকা হৃদি মাং প্রতি। ঋষীন্ বেদ হুতাশোঽপি ব্রহ্ম তদ্বিদিতঞ্চ বঃ ॥৩॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমাশ্বাস্য তান্ পুত্রান্ ভার্য্যামাদায় স দ্বিজঃ। মন্দপালস্ততো দেশাদন্যং দেশং জগাম হ ॥৪॥

ভগবানপি তিগ্মাংশুঃ সমিদ্ধঃ খাণ্ডবং ততঃ। দদাহ সহ কৃষ্ণাভ্যাং জনয়ন্ জগতো ভয়ম্ ॥৫॥

বসামেদোবহাঃ কুল্যাস্তত্র পীত্বা চ পাবকঃ। জগাম পরমাং তৃপ্তিং দর্শয়ামাস চার্জ্জুনম্ ॥৬॥

ততোঽন্তরীক্ষাদ্ভগবানবতীর্য্য পুরন্দরঃ। মরুদ্গণৈর্বৃতঃ পার্থং কেশবঞ্চেদমব্রবীৎ ॥৭॥

কৃতং যুবাভ্যাং কর্ম্মেদমমরৈরপি দুষ্করম্। বরং বৃণীতং তুষ্টোঽস্মি দুর্লভং পুরুষেষ্বিহ ॥৮॥

মন্দপালনা হায়— ইচাশা। মৈসুংদগী লাম্থোক্লবা ইপানা অগ্নিদেবদা হায় হায়জত্নুনা থংহনগ্নি বনি। মতম অত্নুদা পুকচেল চাওরবা অগ্নিদেবনসু "নংনা হায়বা অদুমক তৌগনি" হায়না ব্রাশকপিবনি ॥১॥ মরম অত্নুনা মৈনা ব্রাশকপি খিবা অদুগা, নমানা ধর্ম্ম কাযদবগা, নখোয়গী খাংহৈবা নত্তিক নঙ্গুণবু ঐনা মুন্না খংবগা অসি পুম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা হায় ঐনা নখোয়গী মকমদা লাক্তবনি ॥২॥ মরম অদুনা ইচাশা। নখোয় ঐগোন্দা থক সুংদ্রাইতবা, শাওঞ্জিংবা তৌগনুকো। অগ্নিদেবনসু নখোয়বু ঋষি মচা ওক্তনি হায়বা খংঙি, নখোয়গী মকমদা লৈরিবা ব্রহ্মজ্ঞান অসিসু মহাক্না মুন্ন খঙি ॥৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়— মন্দপাল কৌবা মুনিনা মথৌ অমুম্না মচাশিংবু থেম্বজিন্নগা অরিক্তানু অমসুং মচাশিংবু মকম অত্নুগী পুখিদুনা মকম অমদা চৎখে ॥৪॥ অসোমদা ভগবান অগ্নিদেবসু জীবপুম্নগী থম্মোইদা অকিবা থিপাইবা পোকহন্দুনা, কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীগী সহায়নগী খাণ্ডব বনবু তুম্না চাকশিন্নকনা লৌখি ॥৫॥ মৈনা মকম অহদা জীবশিংগী ঐ মহাও মতোংবতিংবা চাক থকলুবনা, পেনশিবা ক্বা পাক পুম্নমক অর্জ্জুনগী মকমদা থংহনখি ॥৬॥ অদুগী তুংদা ভগবান দেবরাজ ইন্দ্রনা, মরুৎগণ পুম্নমক্কা ইকোয় কোয়শিন্না লাক্তুনা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীবু হায়খি ॥৭॥ অনীমক্না ঙসি মৈয়ামশিংনা ঙমদবা থবক

পার্থস্তু বরয়ামাস শক্রাদস্ত্রাণি সর্ব্বশঃ। প্রদাতুং তচ্চ শক্রস্তু কালং চক্রে মহাদ্যুতিঃ ॥৯॥
যদা প্রসন্নো ভগবান্ মহাদেবো ভবিষ্যতি। তদা তুভ্যং প্রদাস্যামি পাণ্ডবাস্ত্রাণি সর্ব্বশঃ ॥১০॥
অহমেব চ তং কালং বেৎস্যামি কুরুনন্দন!। তপসা মহতা চাপি দাস্যামি ভবতোঽপ্যহম্ ॥১১॥
আগ্নেয়ানি চ সর্ব্বাণি বায়ব্যানি চ সর্ব্বশঃ। মদীয়ানি চ সর্ব্বাণি গ্রহীষ্যসি ধনঞ্জয়! ॥১২॥
বাসুদেবোঽপি জগ্রাহ প্রীতিং পার্থেন শাশ্বতীম্। দদৌ সুরপতিশ্চৈব বরং কৃষ্ণায় ধীমতে ॥১৩॥
এবং দত্ত্বা বরং তাভ্যাং সহ দেবৈর্মরুৎপতিঃ। হুতাশনমনুজ্ঞাপ্য জগাম ত্রিদিবং পুনঃ ॥১৪॥
পাবকশ্চ তদা দাবং দগ্ধ্বা সমৃগপক্ষিণম্। অহানি পঞ্চ চৈকঞ্চ বিররাম সুতর্পিতঃ ॥১৫॥
জগ্ধ্বা মাংসানি পীত্বা চ মেদাংসি রুধিরাণি চ। যুক্তঃ পরময়া প্রীত্যা তাবুবাচাচ্যুতার্জ্জুনৌ ॥১৬॥
যুবাভ্যাং পুরুষাগ্র্যাভ্যাং তর্পিতোঽস্মি যথাসুখম্। অনুজানামি বাং বীরৌ চরতং যত্র বাঞ্ছিতম্ ॥১৭॥
এবং তৌ সমনুজ্ঞাতৌ পাবকেন মহাত্মনা। অর্জ্জুনো বাসুদেবশ্চ দানবশ্চ ময়স্তথা ॥১৮॥

অসি তৌবিরে, মাসিদা, থোইদোক্না পেক্লরে। অগস্তা মীনা ফংদবা অতাংবা বর অমতং ঐগী ইকমদগী লৌবিয়ু ॥৮॥ মতম অহুদা ইন্দ্রদগী অর্জ্জুননা লাইগী থুৎলায় পুম্বা পীয়ু হায়খি। অহুদা ইন্দ্রনা পীগনি হায়নবুদি য়ারগা, মতম অমতং অমসুং য়ানগদবা অমতংদি ককনখি ॥ ৯ ॥

অর্জ্জুন! ঐনা নঙোন্দা থুৎলায়শিং অদো পীগনিদি হাযববু ভগবান মহাদেবনা নংগী নফমদা হেক পেনবা মুমিৎ অহুদা ঐ শোয়দনা নঙোন্দা পীগনি ॥১০॥ কুরু শাগেগী মুংঙাইননবগী মশক ওইরবা! মতম অদো, ঐতনা খংগনি। নংগী কল্লরা তপস্যা উরগা মাহুতদা পেন্দুনা ঐনা থুৎলায়শিং অদু নঙোন্দা লাম্বোক্কনি ॥১১॥ মতম অহুদা, ধনঞ্জয়! ঐগী মৈগী মুংশিংকী তেল থুৎলায় নহাক্না ঐঙোন্দগী ফংগনি ॥১২॥ কৃষ্ণনা অর্জ্জুনগা অমত্তা ওইনা ইন্দ্রগী মফমদা—"মতম লৈবা খিবিক্তা চান্নবা কাওনদনা তিন্নবা" অসুম হায়না নিখি। ইন্দ্রনসু মাহুমক ওইগনি হায়না কৃষ্ণদা বরদান তৌখি ॥১৩॥ দেবরাজ ইন্দ্রনা কৃষ্ণ অমসুং অর্জ্জুনগী মফমদা অসুম্না বরদান তৌরম্বগা, অগ্নি দেবগী বিদায় য়াথং লৌরগা, দেবতাশিংগা লোয়ননা অমুক হন্না স্বর্গদা চৎখি ॥১৪॥ মৈসু হুমিৎ মঙানি চুপ্পা খাণ্ডব বনবু শা- উচেক পুমনমক্কা লোয়ননা চাক্লুনা, পেন্নহুনা তরুক্নি শুবা হুমিক্তা চাক্কপা লেপখি, মুৎখি ॥১৫॥ অগ্নি দেবনা খাণ্ডব বনদা লৈরবা জীবশিংগী মশা চাক্লুনা, ঈ শাই পুক্না থুক্লুনা, পেন্নহুনা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমক্কী মফমদা হায়খি ॥১৬॥

নমুক্তো মথোয় অনীনা ঐবু পেন্নহনখিরে। অদুনা অকনবা অনী! অদুনা হৌজিক্তি অনীনা লেংবিনীংবা মফম্দা লেংবিবা য়াগনি, ঐনা বিদায় তৌরখি ॥১৭॥ পুকচেল চাওরবা অগ্নিদেবনা

পরিক্রম্য ততঃ সর্ব্বে ত্রয়োঽপি ভরতর্ষভ। রমণীয়ে নদীকূলে সহিতাঃ সমুপাবিশন্ ॥১৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামাদিপর্ব্বণি ময়দর্শনে বরপ্রদানে সপ্তবিংশত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——*——

॥ সমাপ্তশ্চেদমাদিপর্ব্ব ॥

মতৌ অদুগুম্না কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমকতা চৎপ য়ায়নি হায়না য়াথং পীরক্লে অসিদগী কৃষ্ণ অর্জুন অহুগ ময় দানব অহুম অসি পূকনিং হুনরবগী মশক ওইরবা তুরেল মপান্দা তিপ্পনা ফমদুনা পোৎথাখি ॥১৮—১৯॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা আদি পর্ব্বদা "ময়দানবদর্শন" গী মতাংদা ময়দানববরপ্রদান চানীগা কুনতরেৎশুবা অধ্যায় লোয়রে ॥০॥

——:(*):——

* শ্রীবাসগী মহাভারতকী শ্লোকাবলীবু মথং শীৎনা মৈতৈলোন্দা হন্দোকলবা মনিপুরী মহাভারতকী অহানবা পর্ব্ব মফম অসিদা লোইরে ॥

॥ আদিপর্ব্ব লোইরে ॥

——:(০):——